শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত

আদি লীলা

(অহানবা শরুক)

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা
শ্রীতোংব্রম গৌরমণি সিংহ

মণিপুর স্টেট কলা একাদমি

শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত

আদি লীলা

(অহানবা শরুক)

পূজ্যপাদ

(শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা)

মৈতৈলোলদা হন্দোকপ

শ্রীতোংব্রম গৌরমনি সিংহ





অকোঙবা ঃ
মনিপুর ষ্টেট কালা একাদমি
থুমন লম্পাক, ইম্ফাল

অফোংবা :
মনিপুর ষ্টেট কলা একাদমি
থুমন লম্পাক, ইম্ফাল,

অহানব মে ংবা :
১৯৯২
কপি মশী° ·১



মমল : লুপা ১৫০

SHRI SHRI CHEITANYA CHARITAMRITA (Vol I) in Manipuri translated by T Gourmani Singh Published by The Manipur State Kala Akademi with the Financial Assistance of Govt of India Ministry of Human Resource Development Department of Education New Delhi Vide Letter F No 4 34/87 16 Cell dated 12th October 1988 (Language Devision) 1st edition Rs 150

নম্ফম : দি ইষ্টর্ন ইন্দিয়া স্কগ্রাদ ওফাসট এণ্ড প্রিন্টিং প্রেস ·
কৈশামথোং, ইম্ফাল

অফোঙবগী ৱারোল খরদং

কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীনা 'চৈতন্যচরিতামৃত'দা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অথুপ্পা লীলাবু নিংথিনা নৈনবি। শ্রীশ্রীচৈতন্য চুমগী মীচং উবা, ধর্ম্মগী মরমদা মমল য়াম্লবা ৱা ঙাংলিনা। মীশক অমা ওইবদা নত্তে, অশেঙবা ঈশ্বরগী ভক্তনি, লাইনিঙবনি। ঈশ্বরগী অথুপ্পা প্রেমদা ডাওজতুনা, পাম্বোম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা, মিনা ঈৱা চেন্দুনা, ঈশৈ শক্লিবা অমদি জগোয় শারিবা ভক্তনি। অতুবু কৃষ্ণদাস গোস্বামনদি শ্রীচৈতন্যবু ধর্ম্মগী মরমদা হৈ-শিংলবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোকলিবা মীশক অমদি মুনি অমদগী হেন্না ঈকায়-খুম্ন। মহাক্কী, গোস্বামীনা হায়রি, ভক্ত মগী শাস্ত্রানা মালেমদা থোঙদাবকিনা ঈশ্বর মহাক থত্নমরি।

শ্রীশ্রীচৈতন্য অমদি 'চৈতন্যচরিতামৃত' মণিপুরী বৈষ্ণৱশিংগী থম্মোয়দা অচৌবা মফম অমা কল্লিবা পোৎশক ওইরক্কনি। শ্রীচৈতন্যগী ভক্ত অমা ওইরকপা 'চৈতন্যচরিতামৃত'গা অথুপ্পা ৱাখল্লোন কয়া মনিপুরী বৈষ্ণৱশিংনা থম্মোয়দা চেৎনা থাগোল্লই। মসিগী শকপানব শাকপা কয় মণিপুরীশিংগী ময়াম ওইবা বনা তম্বং সংস্কৃতিদা নিংথিনা মরি তাবি। ফোঙজবিবা 'শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত' অসি কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীগী বাংলাগী লাইরিক অদুগী মীতৈলোন্দা ওন্থোকপনি। অহানবা ওইনা পুথোকলিবা শরুক অসিদা আদি লীলাগী অহানবা মতাংদগীনা মঙাশুবা মতাং ফাওবা যাওবি। বৈষ্ণৱ-সাহিত্যগী য়াম্না মকওইবা লাইরিক অসিবু মীতৈলোন্দা ওন্থোকপগী অচৌবা দায়িত্ব অমা লৌনরিব শ্রীতোংব্রম গৌরমণি সিংহ, চহি যাম্না বাংলা সাহিত্যবু মুন্না খংলকখৎলবা পণ্ডিতনি লাইরিক অসিবু মৈতৈলোন্দা ওন্থোক্নবগী অচৌবা থবক অসি হৌখিবা চহি কয়াদগী হৌনা চোকথবা নাইদনা হোৎনবিরকপনা ঙসিদি মতুগী মচেৎ থবদং মীয়াম মাংদা থম্না ঙমজবি। শ্রীগৌরমণি সিংহনা হন্দোকপিরিবা 'শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত'গী অয়াম্বা শরুক্কী খুৎই ওইনা একাদমিগী খুত্তা লৈজবি। শেল-থুমগী খুদোং চাদবা কয়না অচৌবা থবক অমা ওইবদগী লীলা খুদিংমক অসি ফোংদোকপগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমজদ্রি। অতুবু তাঙ্গা অমদগী দিপার্টমেন্ট অফ কলচর, নিউ দিল্লিদা লাইরিক অসি ফোঙদোক্নবা মতেং নিজরুবদা হরাও হরাও পীবিবকপদগী একাদমিগী অরৈবা পৈশা থবা হাপচিল্লবগা, অহানবগী ওইনা 'আদি লীলা'গী শরুক থবসি ফাঙদোকচরি। মমল নাইদবা শেলগী মতেঙ পীবিবকপগী দমক্তা দিপার্টমেন্ট অফ কলচর নিউ দিল্লিবু একাদমিনা মশিং নাইদনা থাগৎচবি।

লাইরিক অসিবু বাংলাদগী মীতৈলোন্দা হন্দোক্পিরিবা শ্রীতোংব্রম গৌরমণি সিংহগী মফমদদি একাদমিনা অচৌবা লম্নন অমা তোনশিল্লবনি। পণ্ডিত অসিনা হিংলিঙৈগী মনুংদা লাইরিক অসিগী শকক খুদিংমক মীয়ামদা থমজনিংবনি। অদুবু য়াম্না মতম চংবা পোং অমা ওইবগা, শেল-থুমগী অৱাবা শয় লাযেক্রবগা, আনংবা অসি য়াম্না থুনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমজদ্রি। অদুবু মতুংদা খুদোংচাবা অমা ফংজরক্রবদি মণিপুরী বৈষ্ণব-সমাজগী য়াম্না মকওইরিবা লাইরিক অসিবু মীয়ামগী মাঙদা মপোপ কায়দনা পুথোকচগনি। পণ্ডিত অসিনা কুইনা পুন্সিদুন শৈলাক্কী সেবা তৌবা ওয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা হন্না হন্না খুরুমজবি।

লাইরিক অসিনা মাবেন্দগী হন্দোকপা ওইবগা, শেনবিবা মীখল অসিনগা য়াম্না অবাইবা ওইদবনা, প্রুফ অমদি অ[illegible] অশোয অডাম যেংশনবিনবগীদমক্তা একাদমিনা পণ্ডিত [illegible] চন্দ্রমণি সিংহগী মফমদা হায়জবই। পণ্ডিত অসিনা হন্নাও-হন্নাও যাম্না তুনা লাইরিক অসিবু [illegible] লাইরিকদগী অশোয অডাম [illegible] মফমদ [illegible] শীজয়েং[illegible] চন্দ্রমণি সিংহনা মফমদা [illegible]

অবোইবদা, লাইরিক অসি ফোঙনদা মাংতকচবিবা [illegible] ওইনা নখোয়গী অচৌবা [illegible] [illegible] প্রিন্টিং প্রেস, কৈশামথোং, ইম্ফালগী [illegible] একাদমিনা হন্না [illegible] থাগৎচরি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি



শ্রীতোংব্রম গৌরমনি সিংহ ভক্তি রত্ন
সেগালম্বী কোঙ্গেং হাজারী লৈকাই, ইম্ফাল

শ্রীতোংব্রম গৌরমনি সিংহগী শমলপ্পা পুন্সি-ৱারী

শ্রীতোংব্রম গৌরমণি সিংহ খৃঃ ১৯০৯ গী জানুৱারী থাগী তাং ৭ থাংজ নুমিত্তা পোকই। অপোকপগী মিং শ্রীতোংব্রম ওড়াচাওবা, অপোকপীগী মিংনা শ্রীমতি চাওবী দেবী কৌই। চহি মঙা গুরকপদা লাইরিক তম্বা হৌই। মতম অদুদা বাংলা লোল তম্বরম্মী। চহি তরানিথোই গুরকপদা ক্লাস সিকস কাখৎলী। লাইরবনা মরম ওইদুনা ক্লাস সিকসতা থা মাপল তম্রগা চহিগী পরিক্ষা থাদ্রিঙৈদা লাইরিক তম্বা তোকই। অদুদগী ফুারৎ তুবা তমদুনা যুমগী মতেঙ পাংনবা হাৎনৈ। অদুবু ফিভমনা যাদদুনা থাদোকখ বস্তু মস্তাং চাবা মতমদা লাইরিক লাইশুগী বাখলদি থাদোকপা নৈখিদে। কৈরোই-লৈকাযগী অমদি মরুপ-মপাংশিংগী অরু অরুব দরখাস্ত কযা মথামনা মতাকপু ইহল্লি। মতুংদা বৈরোই-লৈকাযগী মরুপ-মপাংশিংগী মযুম মযুম চঙুনা লাইরিক তাকপিবদা হংলকপ শেলনা ইমুং মনুংগী তেংবাংই। খৃঃ ১৯২৯ গী অদুবাইদা মতম অদুগী দরবার মেম্বর ওইরম্বা শ্রীযুক্ত সপ্নেনবম নদীয়াচান্দ সিংহগী মতেংদগী মেম্বংগা শান্নাযদা থুপী মমা হৌদোকখি। নুপীমচা ওরা ওরুক্কা লোযননা মপী লাইরিক লেম্ম' যেন্দন, ফীর্নচংবা ওমত্তা লৌদনা লাইরিক তম্বীবা হৌখি। মতুংদা কাংভবম লৈকাযদা লৈবা ভদ্রলোক শ্রীযুক্ত কাইজম অমব সিংহনা হাযবদগী মযাই চাবা যেংদুনা ভদ্রলোক্কী মমাং শাঙ্গাযগী তুতলাদা গাল হায স্কুল হাযনা মিং থোন্দুনা লংথিনা চৎথখ। মতুংদা রিকোগনাইজ তৌবিখি। ওজা ওইনা ওইনা মগী লমথদুনা কাস থাইট ফাওবা প্রাইভেট থাদুনা পাস তৌখি। চহি খরা ওজা ওইরমগা মমৈথংদা স্কুল অসি থাদোকখ। মতুংদা খাইরম্বন্দ বাজারগী চেকপোং নম্বেশ্বীদগী থাহেংবম লৈকাইরোমদা নীপা কৈথেন অমা শেমগৎতুনা লৈকায়গী মরুপ অমগা লোযননা দুকান ফম্বা হৌই। সংসারিক্কী মায়াগী ৱাখল অঙাং পিশক ওইরিঙৈদগী লাপ্না থমলকই। ব্রহ্মাচার্যগী নিয়ম কায়দনবা হোৎনরকই। মমৈথংদা চাবা অনী চারম্বদগী চারা অমতং মুংথিন্দা

চ'বগা নুংদাংদদি এ• তৌখি। ঙানচিংবা চারম্বম্ থাদোকখি। পিক্লিঙৈদগী পামজ-রকপনা মতম অহুদগী হৌহুনা লাইরিক-লাইশু হবা হৌখি। 'যুগ মরি' অমসুং 'বৃন্দাবন নুংঙাযবা চ'বা•' কৌব লাইবিক অনী ইগি, অদুবু খুদোং চাদবদগী ফোঙ-দোকপা ঙমখিদে।

'শ্রীশ্রীচৈতন্যচাবতাম্নৃত' হাযবা লাইারকসি খৃঃ ১৯৬৬ তা মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা হৌখি। ল'ইরিক অাসগী হন্দোকপগী মতাংদা অইবনা অসুম্না ফোঙ-দোক্লি, 'শ্রীকৃষ্ণগী সেবাগীদমক পোকলক্লগা ইবুংঙো মাঙোন্দা করিম্ কৎপা ঙমদ্রে হাযদুনা নিতিগী সেবাগী মওংদা দশুবৎ ১০৮ কৎপ কাউজবক্তে, অসুম্না চহি কযা চপ্থদুনা লাকচাব। খৃ• ১৯৬৬ ইংদগী শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতাম্নৃত ধর্ম্মগী লাইরিক মীতৈলোন্দা হন্দোবচব হৌজখি। অন্ত্য খণ্ড গো•জগদোবে। শ্রীগোবিন্দগী সেবা ফংজনবগী মরমদা হজরুবনি। তোল্লবা এৈনা ফোংজবা ঙমদ্রবা অসিবু মণিপুর ষ্টেট কল একাদমিনা শ্রীশ্রীগোবিণ্ডজীউগ সেবা ওহনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম চাউখৎনবগী থোংদা চপ্থবিরক্লিবা পুরিংগী ফিভম অদু উজবদা থম্মোযদা প্রেমগী ইথক তোয়ন হৌজরি। প্রেমগী ইথক অসিনা, লাইরিক অসিগী মফমদা অপনবা খুদোংথিবা পিরগদবা পুষ্পমক অদু তাওথখিবা ওইসনু হাযন শ্রীশ্রীগোবিন্দগী চরন্দা খুরুমজরি।"

চহি ৮০ হেল্লবা পণ্ডিত অসি হৌজিকসু মশা খংনা শ্রীগোবিন্দগী সেবা তৌরি। মতম কুইনা পুন্সিবা ঈশ্বরদ খুরুমজবি।

খুরুমজবা

সাধন-ভজন খণ্ডজত্রিবা. শাস্ত্র-জ্ঞান য়াওজত্রিবা পণ্ডলবা ঐন। জীবগী হৌ-যাইবা (চিন্তামণি) ওইবা "শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত" কৌব ধর্মগী যাম্না লুব্রব। লাইরিক সং মীচৈ লোম্না পয়ারদা (শৈরেংদা) অন্বয়, অনুবাদ, টীকাগা লোইনবা অর্থ হন্দোক-চরিবা আস ইতিক চাদবনি, মথিক নেস্বা মীনা থা-লাম্বগুম্বনি, মখোঙ তেকপা মীনা চীং কাগে হোৎনবগুম্বনি, ভক্ত, বৈষ্ণবশিংনা নীংনা থুংগনি হায়না আশা তৌজদে। অহুম্মাদ ওইবগা অপণ্ডবা ঐবু লুংশিনবিবা শ্রীযুক্ত ওইনাম লাইতমসিংহনাচিংবা ব্রাকৈথেনগী লাইরিক হাংবা খরনা, প্রাণ গৌরহরিগী মরমদা অখণ্ডবা থবদ শুনু হায়না থৌদাবিবদ হিক্তোকচনীংদহুনা অমস্তং বৈষ্ণব সেবা তৌনগী মগুংস্নু ওইবা যাই হায়না খন্দুনা ইন্দবনি।

কনাগুম্বা মীনু চোম পীনীংত্রবা অমস্তং নিন্দা তৌবা হৈত্রবা ভক্ত বৈষ্ণবশিংন পণ্ডবা ননাইনা ইজবিবা অসিগী মমুন্দগী কনিগুম্বা রস-তত্ত্ব অশোই-অভাম যাওবগা থেংনবিরবদি চুমথোকচনবগীদমক কৃপা তৌবিয়ু হায়না ভক্তশিংগী চরণদা হন্না হন্না খরুমজরি।

কবিগুম্বা মরম খরা অতম্না ভাব তাননবগীদমক শব্দোক্না ইরবিন অসগী মমিং 'গৌর-কৃপা-টীকা' হায়না থোঞ্জবি। টীকা অসিগী মমিং তানদা কনাগুম্বন নোক্নীংবা যাই, অহুবু মী ওইবা থোকপা অস ইবুংঙো মহাকী (শ্রীকৃষ্ণগী) নাম শোনবা ভঙ্গা নপোক ওইহন্ন হায়বা খল্লুবগী "গৌর-কৃপা-টীকা" হায়না থোঞ্জকনি, অকাইবা চাম্না ও কৃপিনবগীদমক বৈষ্ণবশিংগী চরণদা ভক্তি তৌজরি।

জগৎ-গুরু শ্রী শ্রী গৌরাঙ্গগী মনাই প্রেমগী মূর্ত্তি ওইবা ঐখোয়, শ্রীগুরুদেব শ্রীল নরোত্তম ঠাকুর মহাশয়না গঙ্গাদা ইকজবদা হকচাং অহু শঙ্গোম ওনখ্রবদা, মহুংগী মপোক্না শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তনগী যুম্ফম ওইবা শ্রীধাম মণিপুর সনা লৈবাক্কী রাজর্ষি ৺শ্রীল ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ ওইনা সাইওন্দুনা (পোকুনা) শ্রীশ্রীরাধা-গোবিন্দ, মহাপ্রভুগী সেবা শিরম্মিবা অসিগী মরমদা—ব্রহ্মা, শিব, নারদনা শীংথাবা ঙমত্রবা, অদুম ওইবা প্রাণ গৌরহরিগী গুণবু, করিস্ন খণ্ডজত্রবা হন্দগী হেন্না তোনখ্রবা ঐনা শ্রীগুরুদেববু খুরুমজহুনা, ভক্তি পার্ষদ ঈশিং চাইবগী মগুং ওইনা, বৈষ্ণব সেবানি হায়না নীংজহুনা পামজবা থমদা ইজহুনা রসরাজ মহাভাবকী মশক ওইবা শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ ইবুংঙোগী চরণদা দণ্ডবৎ চেঞ্জহুন প্রেমগা লোইননা কচ্চবি। ইতি-তাং ১৫ । ৭ । ৬৬ ইং।

বৈষ্ণব-খুয়া-উফুল-ভিখারী
শ্রীতোংব্রম গৌরমণি সিংহ
সেগালম্বী, কোঞ্জেংহাজারী লৈকাই,
ইম্ফাল।

লাইরিক লেংলিবা (গ্রন্থকার)

৺কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীগী জীবনী (পুন্সি-রাবা)

বর্দ্ধমান জেলাগী কাটোয়া মহকুমাগী মনুংদা লৈবা ঝামটপুর কৌবা খুন্দা কবিরাজ গোস্বামী পোকই থাঙ্গনগী ওস্তু-থিবা পণ্ডিতশিংনা খৃষ্টাব্দ ১৫৩০ দা মহাক কাওগং-লক্পগী তম্মি হাঙ্গনৈ। মহাকী জাতিদি বৈদ্য (মাস্বা শাবা) নি। মহাকী মপাগী মমিংদি ভগীরথ কবিরাজ অমসুং মমাগী মমিংনা সুনন্দা দনী কৌই মহাকী মনাও অমতং লৈরম্মী মমিংন শ্যামদাস কৌই। মহাক্না লৈংবগী অসি ইনাক্খুনবা ইমুং-মনুং নত্তে।

গোস্বামীনা চহি তরুক চংলকপা মতমদা মহাকী মপা ইবুংঙো লেখিদবে, অগদগী অমুক ইবুঙ্গো-কুণ্ডনা মম ইবেম্মসু লেখিদবে। অভা ওইনা গুরুজন কাঙ্গনবনা মপাগা পোক্নীরবা মনেগী যুংদা লৈখি।

অভাং ওহরিভৈদগী গোস্বামী মহাশয়না শাম জনা নীংজন হাঙ্গবরু সংস্কৃত নাংথিন তংদুনা সাধুশিংগী মনাক্তা ফমজনা অসিনি, শেংলথম তানবগী মক্তংতা ঈশ্বরগী রাখন্দ লপুনা মতম অযাম্পদা লে

চহি ২৬ কুনতরুক্ চংলকপা মতমদা মরু লোকপিরিবা মনে স্বাগারোহণ ওইখ্রে (শিখ্রে), মনেনা হনম্বা শেন-থুম পূর্ন্নক মনাও শ্যামদাসকী মখুংতা শিন্নবগা মশানা ধর্ম্মদা মাঙ্গ ওনসিন্দুনা মতম লম্নী। মতৌ অম্বম তৌড়ন লহাক্ চহি ১০ নুন মকম লেম্নরে।

অহুদগী মত প্রভু শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গগী ওভর্প লীল তাবদা শ্রীগৌরাঙ্গবু থাজেশেংবা (স্বয়ং) ভগবান্নি অমসুং শ্রীনিত্যানন্দ মহাপ্রভুবু ভগবানগী অবতারনি হাঙ্গন। গোস্বামী মশানা লেপ্রে নেংমা মহাক্না মমঙদ শ্রীশ্রীনিত্যানন্দবু উরম্মী, অহুনগী মহাকী পুন্সিং অমা হোংখিদুনা লো ড লগা অপুক অনেংবদা সংসার থাদোকুনা লেবাক লবাক খুজিং কোঙনবগীদমক মপান থারক্রে। মনৈখংদা শ্রীবৃন্দাবন্দ থুংখি। মফম অহুদা ভক্ত-চূড়ামণি রূপ, সনাতন, রঘুনাথদাস, জীব গোস্বামী, অসিনচিংবা বৈষ্ণবশিংগা তিন্নজবা ফংজখি অমসুং রঘুনাথ দাসকী মকমদগা দীক্ষা লৌডুনা শ্রীমদ্ভাগবত শরণ (তাবা) অমসুং পাংদা থরাই যাওখি।

অসিগী তুংদা বৃন্দাবন্দা লৈরিব বৈষ্ণবশিংগী যাথং মতু ইন্না গোবিন্দ-লীলামৃত, কৃষ্ণকর্ণামৃত টীকা, ভাগবতকী ওকরা অর্থ, অদ্বৈত সূত্রগী কড়চা, স্বরূপবর্ণন, বৃন্দাবন

ধ্যান, গোস্বামী, ভরুক্কী সংস্কৃত-সূচক, চৌষট্টি দণ্ডনির্ণয়, প্রেম রত্নাবলী, বৈষ্ণবাষ্টক, রাগ মালা, শ্রীরূপ গোস্বামীগী রারীগী রাগচং, রাগময় করণ, পাষণ্ডদলন, বৃন্দাবন-পরিক্রমা, রাগ-রত্নাবলী, শ্যামানন্দ প্রকাশ, সার-সংগ্রহ অমসুং মমৈথংদা ইকোন্-কোন্‌বদা শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত লেংখি। ইকোন্-কোন্‌বগী লাইরিক্ অসি লেংবদা চহি মাপন চঙখি। করিবু হাঙ্গীসিগে অকোন্‌বগী লাইরিক অসি বৈষ্ণবশিংগী লাইরিক শাস্ত্র পূম্নমক্কী মক ওইবা মকোক্লি হাঙ্গীবহু কজন। খংহনগে হাঙ্গীবগীদমক অমসুং থাজনবগীদমক শ্রীজীব গোস্বামীনা যমুনাগী ঈশিংদা লংথে। লংথরিবা অদুগী মবম রাহৌদোক অশন্নদি—নোংমা শ্রীশ্রীরাধা দামোদরগী নাক্তা শ্রীজীব গোস্বামীনা ভক্তশিংগা লোয়ননা লৈরিঙৈগী মতমদা কৃষ্ণদাস কবিরাজনা শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত কৌবা লাইরিক অসি পুরক্লুনা লাকই। কবিরাজনা শ্রীজীব গোস্বামীদা দণ্ডবৎ তৌদুনা খুকমাইদ, মখোয় অনিমক লংডাইদুনা পোল্লে। কবিরাজনা জীব-গোস্বামীগী মফমদা লাইরিক অদুগী মবমদা টীকা খরা তৌবিনবা হঙ্গচে, মাদুগী মতুংইন্না লাইরিক অদু যংবদা পুক্নিংদ অচুকপ ফংনা নুংঙাইবে অমসুং পেল্লে; লাইরিক অসিনা বৈষ্ণব-ধর্ম্ম শন্দোকখনি হাঙ্গনা নীংলে। অদুগা মপা-মখোংদদি, থুগুনা থমগদনা পোংপু যীওইননা শঙুফম থোকপা পরকীয়া ভাব মহাভাবপু য়াম্না ফোংদোক্লা মচা থাঙ্গনা হৈবে হাঙ্গদুনা শাওসিন্নরে। অদুদগী শ্রীজীব গোস্বামীনা লাইরিক অসিনা মশুগ অসি ফোংদোক্লীংদুনা শাওসিন্নরগা খুদক অদুম ওদা যমনাগী ঈশিংদা লংথখ্রবে হেক লংথবগা যমুনাগী ঈশিং অসি ইথড-থডহৌদনা ঈহৌরক্রে, মথক্ত তাপ্রদুনা লেরগা পোং পূম্নমক ঈশিংগী ঈবৈনা তুক-তুক লেদুনা, যেংবদা থডকপা ফংনা নাম্না থুনা নাউথখরে। তৌইগুম্বসুং লাইরিক অসিদি নাংওনা ঈশিংগী ঈথাইদা মুংঙাইনা শান্নবগুম্না, মমিংকী মঙাল্লা যেবদা ইলং-লংদুনা লেঙলনা তাপ্রদুনা লৈবে। মতৌ অসি উবদা শ্রীবৃন্দাবনদা লেরিবা বৈষ্ণব পূম্নমক্লা শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজবু যাম্না থাগৎনরক্রে। মতম অদা ঈশিং-ঈচেন গংদ মথক্তা লেঙদনা তাউবন্নগা ঈচেনগী মাইয়োক্ত হঙ্গৎনা লাইরিক অসি চেনগংলক্রে। মতৌ অসি উরিবা অমসুং অথাবা মী পূম্নমক্লা পূমদক-চক্লবে। মতৌ অসুম তৌন ক্লমিং তম্নি ঈশিংগী মথক্তা যাম্না লাপ্না চংলুবগা লাইরিক অসি শ্রীমদনমোহনগী মন্দিরনা মনাক্তা গোবিন্দ ঘাট কৌবা মফমদা ঈথক্তগী হুনগৎলক্তুনা কাথৎলরে। ঈশিংদা ক্লমিং তম্ন লক্কবা মতম অদুদ মী পূম্নমক্লা লাইরিক অসি লোথৎকদবগা যাম্না কণ্না হাংনখি, অদুবু ওম্নখিদে মতোৎদা কাখচ্চরকপনি। লাইরিক অসি কবিরাজগী থমোইদা মদন মোহননা লেংশিন্দুনা ইহুনবনি, মাসিদা থাজত্ত্ববদি মী অদুগী উদ্ধার ওইহনবগী লাম্নবগী উপায় লৈত্রে, মাসি নত্তুনা বৈষ্ণবশিংনা নীংননবা খুকম্নবা অতোপ্পা অমা লৈত্রে। লাইরিক অসে ইবা মতমদা চৈতন্যনা ফমদুনা লৈরিবনি। লাইরিক অসিবু থাজববদি নিত্যাই-

চৈতন্য চরণগী প্রেমধন কঙ্গনি। মুমিং হুম্নি অহুনা মতুংদগী শ্রীজীব গোস্বামীনা নবদ্বীপ্তা থাননবগীদমক লাইরিক অসি থমজিলখি। মতৌ অস্থুম্না শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত কৌবা লাইরিক অসি খ্বাইদগী শথোইবনি হাঙ্গবসি খঙহনগে হাঙ্গবগীদমক লাইরিক অসিগী পরিচ্ছেদ খুদিংদা (মতাং খুদিংদা) 'কৃষ্ণদাসনা লেংজে' হাঙ্গবা ভণিতা অসি শ্রীজীব গোস্বামীনা ইহনখি।

মতুংদা লাইরিক অসি গৌড-দেশতা থাব্রকপা। মতমদা বাঁকুড়া জিলাগী মনুংদা লৈবা 'বনবিষ্ণুপুরগী নিংথৌ বীরহাম্বীরন হুরানখিবা পাউ ‧সি গোস্বামীনা খৃষ্টাব্দ ১৬১৫ দা (শক ৫৩৭ তা চান্দ্র আশ্বিন শুক্লাদ্বাদশীদা) তাবদা মশা থাদোকপ্রে। মতম অদুদা গোস্বামীন পণ্ডিত ওইবা লৌশিংশিংনা ‧হৈব কবি ওইরগা অহুৎা নত্তন ভগবদভক্তি লেব প্রেম ‧‧, লমচং কজব বাকমচ তাব মীওইং ‧ইরম্মী ‧হাক্ক মীদি হলৈ-লৈবম ‧ হাঙ্গনস্ন য়াই

শ্রীশ্রীচৈতন্যদেবগী ভক্তশিংগী মফমদদি মহাকী পোম্নফম ল‧ দম ঝামচপুর কৌব মফম আস, অশেংব তীর্থগী মশক্নি। মফম অসিদ শ্রীশ্রীমহাপ্রভুগী 'বগ্রহ ‧‧ত্তি), উগী থুকুম (প্র‧‧ন তো ল‧‧) অমসুং পূজাগী মন্দির লৈ, অমসুং পুম্নমক অসি নিত্তিগী পূজা তৌহনা লৈ। প্রভুগী ভক্তশিষ্য মুকুন্দ দত্তনা লাইরিক অসি শিন্দোকখি শিন্দোকপা লাইরিক অ‧‧কম অসিদ য়াম্না চেকশিন্না থম্মী, তৌইগুম্বসুং গোস্বাম মশাগী মখুৎমক্রা ইবা লাইরিক অহুদি শ্রীশ্রীবৃন্দাবন ধামদা দামোদরগী মন্দিরদা ডাংথোইহন লৈখি। ভাবতঙা মহাপ্রভুগী পূজা তৌনবিবা ম‧ম মখৈদি কৃষ্ণদাস কবিরাজ ‧স্ব মংগা মংমং অসি মীগী থাম্মাইদা চান্দুনা লৈবগনি।

—O—

টীকা শীবদা মথাগী খুদমশিং অসি শিজিন্নজরে।

১। স্বামী—শ্রীধর স্বামী	১৪। পূ—পূর্ব্ব
২। তোষনী—শ্রীমদ্ভাগবতকী বৈষ্ণব তোষনী টীকা	১৫। দঃ- দক্ষিন
৩। শ্রীজীব—শ্রীপাদ জীব গোস্বামী	১৬। উঃ—উত্তর
৪। চক্রবর্ত্তী—শ্রীপাদ বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তী	১৭। পঃ- পশ্চিম
৫। বিদ্যভূষন—শ্রীপাদ বলদেব বিদ্যাভূষন	১৮। তাঃ- তাপনী
৬। গী (শ্রীগী)—শ্রীমদ্ভাগবদ গীতা	১৯। উঃ নীঃ—উজ্জল নীলমনি
৭। গোঃ লীঃ শ্রীগোবিন্দ লীলামৃত	২০। প্রঃ- প্রকরন
৮। ভাঃ (শ্রীভাঃ)— শ্রীমদ্ভাগবত	২১। বিঃ পুঃ—বিষ্ণু পুরাণ
৯। আনন্দ চন্দ্রিকা—শ্রীল বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তী কৃত উজ্জল নীলমনি টীকা	২২। ব্রঃ সঃ- ব্রহ্ম সংহিতা
	২৩। সন্দর্ভ—ষট সন্দর্ভ
১০। লোচন-রোচনী—শ্রীজীব গোস্বামী কৃত উজ্জল নীলমনি টীকা	২৪। পঃ পুঃ পা- পদ্ম পুরান পাতাল খণ্ড
১১। ভঃ সঃ সিঃ —ভক্তি রসামৃত সিন্ধু	২৫। ব্রঃ সুঃ—ব্রহ্ম সুত্র
১২। লঃ ভাঃ লঘু ভাগবতামৃত	
১৩। গোঃ তাঃ—গোপাল তাপনী শ্রুতি	

করিগুম্বা মফমদা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতগী প্রমান উচ্চরি, মাহুদদি লাইরিকী মমিং হাপচন্রে। অঙ্ক ময়েক খর ইবল্লগা তোকচরে, মফম অহুবু খণ্ডবিগদবদি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতদা য়াওগ্রে হাঙ্গনা নীংবিয়ু। অহানবদ ১—ইবনা আদি-লীলা '২'-ইবনা মধ্য-লীলা অমসুং '৩' ইবনা অন্ত্য লীলানি নীংবিয়ু। অহানবা অঙ্ক ময়েক্না লীলাগী অঙ্ক, অনুগী মতুংদা মতাংগী অঙ্ক অমসুং মমৈদা পয়ারগী মশিংগী অমসুং শ্লোকী অঙ্ক ইজরে। মাহুদি ১ ২। ২২ লৈরম্নবদি আদি-লীলাগী মতাং অনিশুবগী পয়ার কুল্লিথোই শুবনি হাঙ্গনা খণ্ডবিয়ু, ৩। ৫। ৮ লৈরম্নবদি অন্ত্য লীলাগী মঙাশুবা মতাংগী পয়ার নীপান শুবনি নীংবিয়ু।

শ্রীশ্রীচৈতন্য চরিতামৃত।

আদি লীলাগী সূচীপত্র

হিরম	লামায়

অহানবা মতাং

বিষয়	পত্রাঙ্ক

থবম	লামায়

মারশুবা মতাং :

বিষয় | পত্রাঙ্ক

হিবম | লামায়

মঙাশুবা মতাং

ইৰম	লামায়

শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত

অহানবা (আদি) লীলা

অহানবা মতাং

বন্দে গুরূনীশভক্তানীশমীশাবতারকান্।
তৎপ্রকাশাংশ্চ তচ্ছক্তীঃ কৃষ্ণচৈতন্যসংজ্ঞকম্॥ ১

গৌর—কৃপা—টীকা

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যচন্দ্রায় নমঃ। শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যস্বরূপায় শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃতায় নমঃ। অনর্পিতচরীং চিরাৎ করুণয়াবতীর্ণঃ কলৌ। সমর্পয়িতুমুন্নতোজ্জ্বলরসাং স্বভক্তিশ্রিয়ম্। হরিঃ পুরটসুন্দরদ্যুতিকদম্ব সন্দীপিতঃ সদাহৃদয়কন্দরে স্ফুরতু নঃ শচীনন্দনঃ॥ জয় গৌর-নিত্যানন্দ জয়াদ্বৈতচন্দ্র। গদাধর শ্রীবাসাদি গৌরভক্তবৃন্দ॥ জয় রূপ সনাতন ভট্ট-রঘুনাথ। শ্রীজীব গোপালভট্ট দাস রঘুনাথ॥ চরণ খুরুমজরি গোসাই তরুক অসিগী। য়ৈথাই-থিন্গাই লৈতে নীংব থুংঙী মাতুদগী॥ অজ্ঞান-তিমিরান্ধস্য জ্ঞানাঞ্জন-শলাকয়া। চক্ষুরুন্মীলিতং যেন তস্মৈ শ্রীগুরবে নমঃ। বাঞ্ছাকল্প তরুভ্যশ্চ কৃপাসিন্ধুভ্য এবচ। পতিতানাং পাবনেভ্যো বৈষ্ণবেভ্যো নমো নমঃ॥ রসিক-ভক্ত-কুল-মুকুট-মণি-শ্রীশ্রীকৃষ্ণদাস-কবিরাজ-গোস্বামি-চরণেভ্যো নমঃ। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত-শ্রোতৃগণেভ্যো নমঃ॥

আদি-লীলাগী অহানবা মতাংদা (প্রথম পরিচ্ছেদে) গ্রন্থকার (লাইরিক ইবিব) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীনা, য়ৈথায-থিন্গাইবা লৈতনবা অমসুং নীংজব থুংননবগী মরমদা, লাইথিরিকপু খুরুমজখি, মাসিবু মঙ্গলাচরণ কৌই। মঙ্গলাচরণ মখল অহুম্মি— (১) খুরুমজবা হাঙ্গইবদি ইষ্টদেববু (সেবা চচ্চরিবা ঠাকুর) খুরুমজন (২) তাবিবিবশিংগী মফমদা (আশীর্ব্বাদ বেদগী মওং ওইনা খুরুমজবা) অমসুং (৩) পোৎশক লেপ্পুনা হাঙ্গইবদি লাইরিক্কী অয়েপ্পা মরম তাক্লুনা খুরুমজবা। অহানবগী খুরমজবা অসিদা অমুক মখল অনি থোকী—ইচম্-চম্না (সামান্য) অমসুং অতম্বনা (বিশেষ) খুরুমজবা। ইচম-চম্না অমসুং অতম্বনা খুরুম্বগী খুদম মতুংগী ১। ১। ৬ টীকাদা যেংশিনু।

"বন্দে গুরূন্" দগী হৌদুনা শ্লোক মশিং তরামরিগুগা য়াওবা অসি লাইরিক ইজরিবা মপুনা, শ্রীকৃষ্ণদাস কবিরাজনা মঙ্গলাচরণ তৌজরনি। অহান্বা শ্লোক ইচম্-চম্না খুরুমজরনি অমসুং অনিশুবা শ্লোক অতম্বনা খুরুমজরনি। অহুমশুবা শ্লোক পোৎশক লেপ্পুনা খুরুম্জরনি। মরিশুবা শ্লোক আশীর্ব্বাদকী (বোর পীব) মওং ওইনা খুরুম্জরনি। অয়েপ্পা শ্লোক তরা অদুনা ইচম-চম্না খুরুম্জবা অমসুং পোৎশক লেপ্পুনা খুরুম্জবগী মসুং চল্লী।

শ্লোক। ১। অন্বয়। গুরূন্ (গুরুশিংবু), ঈশভক্তান্ (ঈশ্বর ভক্তখিবিকপু—শ্রীবাসনচিংববু), ঈশাবতারকান (ঈশ্বরগী অংতারশিংবু—শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যনচিংববু), তৎপ্রকাশান্ (ঈশ্বরগী আবির্ভাব, প্রকাশশিংবু—শ্রীনিত্যানন্দনচিংববু), তচ্ছক্তীঃ (ঈশ্বরগী শক্তি-পুন্নমকপু—শ্রীগদাধরনচিংববু), চ (অমসুং) কৃষ্ণচৈতন্যসংজ্ঞকং (শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য-কৌব) ঈশং (ঈশ্বরবু) বন্দে (খুরুমজরি)।

অনুবাদ। ঐনা শ্রীগুরুশিংবু, ঈশ্বরগী ভক্তখিবিক শ্রীবাস-নচিংববু, ঈশ্বরগী অবতার শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যনচিংববু, ঈশ্বরগী সাইওন যোংদোরকপা শ্রীনিত্যানন্দনচিংববু, ঈশ্বরগী শক্তি শ্রীগদাধরনচিংববু অমসুং শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য কৌব ঈশ্বরবু খুরুমজরি। ১

শ্লোক অসিদা "গুরূন" শব্দ ওসিনা মন্ত্র পীক হাঈবদি দীক্ষাগুরু অমসুং শিক্ষা-গুরুশিংবু (ওঝাশিংবু) নি হাঈবা খঙ হল্লে। "ঈশভক্তান" শব্দনা শ্রীবাসনচিংব ভক্তশিংবু খঙ হল্লী; "ভগবানগী ভক্তশিংগী মনুংদা শ্রীবাসনা অথোইবনি। ১।১।২০।" "ঈশাবতার" শব্দনা শ্রীঅদ্বৈতনচিংব অংশাবতারশিংবু খঙ হল্লী "অদ্বৈত আচার্য্য-প্রভুগী অংশ-অবতারনি। ১।১।২১" "তৎপ্রকাশান" শব্দনা শ্রীনিত্যানন্দনচিংব সাইওন্ কোংদোকপবু খঙ হল্লী। "নিত্যানন্দ রায়- প্রভুগী স্বরূপ প্রকাশ-নি (সাইওন্নি)। ১।১।২২। "তচ্ছক্তীঃ" শব্দনা শ্রীগদাধরনচিংব পেভগী শক্তিশিংবু খঙ হল্লী, "গদাধর-পণ্ডিতনচিংব, প্রভুগী মশাগী শক্তিনি। ১।১।২৩।" অদুগা, "কৃষ্ণ চৈতন্য-সংজ্ঞ-কং ঈশং" শব্দনা ইষ্টদেব শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য—মহাপ্রভুবু খঙ হল্লী।

অহানবা শ্লোকা, ইষ্টদেববু ইচম-চম্না পুন্ন খুরুমজরি (সামান্য-নমস্কার-রূপ-মঙ্গলাচরণ তৌরি)।

সামান্য (অচম্ব) গী মওংদি অসিনি। মশানা নীংজরিব মক ওইবা মরম অদুগা মান্নবা, অতোপ্পা মরমস্থ লোঈনবা অদুবু সামান্য (পুন্ন খুরুম্ব) কৌই। শ্লোক অসিদা মক ওইনা নীংজরিব পোৎতি শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যনি; মরমদি, ইষ্টদেববু ইচম্ চম্না খুরুমজরগম্ব নীংজরিবা মক ওইবা পোৎতি মহাক্তি; মহাক হাঈবসি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবুনি। মক ওইবা ইষ্টদেব-শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য খুরুমজবগা লোঈনা লোঈননা (মান্নবা) ইষ্টদেবদগী অতোপ্প মরমস্থ হাঈবদি—গুরুশিং, অবতার খিবিক, সাইওনশিং অমসুং শক্তিশিংবুস্থ খুরুমজরি, অদুনা ইষ্টদেবগা লোঈননা গুরুনচিংবগা পুন্ন খুরুমজবা অসিবু সামান্য-নমস্কার-রূপ-মঙ্গলাচরণ (ইচম চম্না খুরুমজবা নত্রগা শুপ্প খুরুম্বা) কৌই।

খুদমঃ —ঐখোয়না শ্রাদ্ধ চৎপদা খোং হাম্বক্ম্ খুরুম্নবা মতুংদা মাগুবগী চীংথে য়ৌরকপদা খুরুম্বা অদু পুন্ন (সামান্য) খুরুম্বনি।

ইষ্টদেব শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য খুৎখগা লোঈনা লোঈননা গুরুশিংবুস্ থুরুম্বগী মরমদি, অস্থুম ওইরমগানি হাঙ্গনা নীংঙে:—য়েৎখায়-থিনগায়বা লৈতনবগী অমস্থুং নীংজরিবা থুংজনবগী মরমদা ইষ্টদেবগী কৃপা ফংননবগীদমক ইষ্টদেবদা খুরুমজরিবনি ; তৌইগুম্বস্থুং ইষ্টদেবগী কৃপা ফংননবগী মরমদি গুরুকৃপানা ওই ; গুরুদেবনা পেন্‌বিরগা ভগবাননা পেন্‌বি। গুরুদেবনা চান্‌বিদ্রবা মী অতুগী উপায় অংতা লৈত্রে—"যস্য প্রসাদাৎ ভগবৎ প্রসাদঃ যস্যাপ্রসাদান্নগতিঃ কুতোঽপি। ধ্যায়ংস্তুবংস্তস্য যশস্ত্রিসন্ধ্যং বন্দে গুরোঃ শ্রীচরণারবিন্দম্॥ গুর্ব্বষ্টকম্।" মরম অতুনা গ্রন্থকাবনা হহান্‌-হান্‌বদা গুরুশিংবু খুরুমজবনি।

গুরু কৃপা ফংলবা অতুগী মপক্তা অমুক্তা ভক্তগী কৃপা ফংলবদি ভগবৎ কৃপা ফংব লাঙ্গরে ভগবানাদ শনীংতম্ব নী॥ ওইবরম্ব প্রেম্ম খুহুম চন্‌বা মরম্মা ভক্তগী মখাপোল্লীঃ "অহং ভক্তপরাধীনঃ" হাইহে অসি ভগবানগী শ্রীমুখনা হায়বনি। মরম অতুনা ভক্তশিংনা মুংশিবিববা মী অদুবুদি ভগবাননা কৃপা হেক্তা নতৌবরে। মরম অসিদগী ভগবদ্ ভক্ত পুম্নমক্কী কৃপা ফঙনীংতুনা ভক্ত পুম্নমকপু খুরুমজবনি। মফম অসিদা ভক্ত-শব্দনা খঙ্‌নরিবদি নিত্তিগী লোঈনতুনা লৈবিনা ভক্ত, সাধনসিদ্ধ। ভক্ত হাঙ্গবা সিদ্ধ ফংলবা বৈষ্ণব, সাধক্‌-বৈষ্ণব পুম্নমকপু খঙ্‌নৈ। "অতুম ওইবা ভক্তশিং অহু মখল অনি থোক্‌ই। লোঈনবশিং অতুগা সাধকশিং। ১। ১। ৩১॥"

বন্দে শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য নিত্যানন্দৌ সহোদিতৌ।
গৌড়োদয়ে পুষ্পবন্তৌ চিত্রৌ শন্দৌ তমোনুদৌ॥ ২
যদদ্বৈতং ব্রহ্মোপনিষদি তদপ্যস্য তনুভা
য আত্মান্তর্যামী পুরুষ ইতি সোঽস্যাংশবিভবঃ।
ষড়ৈশ্বর্য্যৈঃ পূর্ণো য ইহ ভগবান্ স স্বয়ময়ং
ন চৈতন্যাৎ কৃষ্ণাজ্জগতি পরতত্ত্বং পরমিহ॥ ৩

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক ২। অন্বয়। গৌড়োদয়ে (উদয়-চীংগুম্ব গৌড় দেশতা) সহোদিতৌ (মতম অমতদা মগুণ ফাওগৎমিন্নরকপা) শন্দৌ (মঙ্গোল পীবা) তমোনুদৌ (অমম্ব মাঙহন্‌বা), চিত্রৌ (অঙকপা) পুষ্পবন্তৌ (মুমিৎ-থা). শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য-নিত্যানন্দৌ (শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু অমস্থুং নিত্যানন্দবু), বন্দে (খুরুমজরি)।

অনুবাদ। উদয়-চীং শুন্নবা গৌড়-দেশত মতম অমত্তদা থোক্লকপ (নবদ্বীপ্তা মতম অমতদা মথোঙ্গীগী মগুণ ফাওগৎমিন্নবকই) অণ্ডকপা নুমিৎ-থাগুম য়াম্ন মঙোল (মঙ্গল) পীবিহৈবা অমসুং অপণ্ড,বা, অমম্বু কোকপিহৈবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু অমসুং শ্রীনিত্যানন্দবু খুরুমজরি।

অনিশুবা শ্লোক অসিদা ইষ্টদেববু মরু ওইনা অতম্বনা খুরুমজরি (বিশেষ বন্দনারূপ মঙ্গলাচরণ তৌজরি)। অতম্বনা খুরুমজবগী মওংদি অসিনি :—"যঃ স্ববিষয়মভিব্যাপ্য তদিতরং ন ব্যাপ্নোতি সঃ বিশেষঃ—ইশানা মরু ওইনা নীংজরিবা পোৎশক্তা খুরুমজবদা, অতোপ্পা মরম অম লাম্‌শিন্দ্রবা অদূবু অতম্বনা (বিশেষ) খুরুম্ব কৌই ; মরম অদুনা মাহুদদি ইষ্টবদেবুতঃ খুরুম্মী, মাহুগা লোঈননা কনাবুসু খুরুম্মুদ্রে, মওং অসিবু বিশেষ-বন্দনারূপ-মঙ্গলাচরণ (অতম্বনা খুরুমজবা) কৌই।" অহানবা শ্লোকতা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু মশানা মরুওইনা নীংজবা ইষ্টদেবনি হাঙ্গনা ফোংদোকখ্রে ; পোৎশক লেপ্প মঙ্গলাচরণ অঙ্গমশুবা শ্লোকতসু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু পল্লি , অদুগা অতম্বনা খুরুম্ব অনিশুবা শ্লোকতা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবুতঃ খুরুম্ব, অতৈ যাওরুন্দবা অদূবু অথম্বনা অতম্বনা খুরুমজবা কৌই হাঙ্গরি , তৌইগুম্বসুং শ্লোক অসিদদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগা লোঈননা শ্রীনিত্যানন্দবুসু খুরুমজরি ; অদু ওইরগসু শ্লোক অসিবু অতম্বনা খুরুমজবনি হাঙ্গরুরিবগী মরমদি অসিনি ; শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অমসুং নিত্যানন্দ অনি অসি, মন্নুংদা অমতনি কন্নিসু খেন্নবা লৈতে। "হকচাং অনি থোক্লবসু শক্‌কম অমতনি। ১।৫।৪॥ মচিন মনাও অমতনি ফোংদোক্‌মিন্নবনি। ১।৫।১৫৩॥"

শ্লোক। ৩। অন্বয়। উপনির্বদি (উপনিষদতা) যৎ (মাদু) অদ্বৈতং (অনিশুদবা) ব্রহ্ম (ব্রহ্ম) (ইতি কথ্যতে) অসূম্ম হাঙ্গনৈ তদপি (মহাক্সু—ব্রহ্মস্ব) অস্য (মহাক্কী —'শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী) তনুভা (হকচাংগী মঙান্নি) , যোগশাস্ত্রে যোগিভিঃ (যোগ শাস্ত্রদা যোগিশিংনা) যঃ (অদু) পুরুষঃ (নীপা) অন্তর্যামী (অন্তর্যামী) আত্মা (আত্মা—পরমাত্মা) ইতিকথ্যতে (অসূম্ম হাযনৈ) সঃ (মহাক) অস্য (মহাক্কী— শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী) অংশবিভবঃ (অংশবিভূতি—খাইথখিব শকক) , ইহ (মাহুদা-তত্ত্ববিচারদা) যঃ (মহাক) ষডৈশ্বর্য্যৈঃ (ঐশ্বর্য্য তরুক্কা) পূর্ণঃ (থন্‌ব) ভগবান্ (ভগবান্) ইতি কথ্যতে (অসুম্ম হাঙ্গনৈ) সঃ (মহাক) অপি (অমসুং) স্বয়ং-(স্বয়ং-থাঙ্গেশেংবা) অয়ং (মহাক শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য) এব (লেপ্পমক্)। ইহ (অসুম ওইবা) জগতি (জগত্তা) চৈতন্যাৎ (জ্ঞানগী মশক ওইবা) কৃষ্ণাৎ (কৃষ্ণদগী) পরং (অতোপ্প) পরতত্ত্বং (অথোইবতত্ত্ব) ন (লৈত্রে)।

অনুবাদ। উপনিষদতা অদ্বৈতবাদিশিংনা অনিশুদবা ব্রহ্ম কৌরিবা মহাক অদু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী হকচাংগী মঙান্নি। যোগ শাস্ত্রদা যোগিশিংনা জীবগী অন্তর্যামি পরমাত্মানি হাঙ্গরিবা নীপা অদু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অংশ বিভূতিনি (খাইথখিবা শকক্কি)। তত্ত্ববিচারদা

ঐশ্বর্য্য তরুক্ক তিনবা ভগবান হৌরিবা মহাক্ অদুসু থাঙৈশংবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যমক্তি খেন্নদবা মশক্তি, মরম অসিনা জগৎ অসিদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদগী অতোপ্প অথোইবা তত্ত্ব অম লৈতরে ॥ ৩ ॥

সাধন তৌনবগী (কৃষ্ণ ফংনবগী হোৎনবা) লম্বেল চাংবাক্ন মখল অহুম শুই- (১) জ্ঞান (২) যোগ (৩) ভক্তি। জ্ঞান-মার্গগী সাধকশিংনসু ব্রহ্ম নাইংডি, ব্রহ্মনা অথোইবা তত্ত্বনি হায়নৈ। যোগ-মার্গগী সাধকশিংনা পরমাত্মাবু নাইডি, অদুনা পরমাত্মাবু অথোইবা তত্ত্বনি হায়নৈ। ভক্তিগী মতাংদা অমুক মখল অনি থোকয়ে (ক) ঐশ্বর্য্যগী মশক ওইবা অম (খ) মাধুর্য্যগী মশক ওইবা অম। ঐশ্বর্য্যগী মশক ওইবা সাধক ভক্তশিংনা ঐশ্বর্য্য তরুক্কতিনবা পরব্যোমগী মপু নারায়ণবু নাইংডি, মখোয়না মহাকপু অথোইবা তত্ত্বনি হায়নৈ, অদুগা মাধুর্য্যগী মশক ওইবা সাধন ভক্তশিংনা ব্রজেন্দ্র-নন্দন (নন্দ নিংথৌগী মচা) শ্রীকৃষ্ণবু মুংশিনা নাইংডি, অমসুং হৌবুংডো মহাকবু অথোইবা তত্ত্বনি হায়নৈ। থাঙৈশংবদি মহাক্না খ্বায পুম্নমক্কা অথোইবা তত্ত্ব। শ্লোক অসিদা হায়ব ব্রহ্মদি মতোমদনা অরোইবা নত্তে, মহাক্তি, খ্বাযপুম্নমক্কী মরোক ওইবা— শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী মঙাল্লি, অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মপান তাংডি, মহাক্ন শ্রীকৃষ্ণদা থবক খুদিংমক্ত চংজে, মঙাল্লা মডান-থোবক্যম মশা অদুবু ঙাইবা হৌনৈ, মশা যাওদনা ডানবা হৌনদে। পরমাত্মাসু মতামদনা অরোইবা নত্তে, মহাক্তি শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি, হকচাংগী শকপ মচেৎনি, মচেৎনা মপুমগী বা তাদনা থবক তৌব ঙমদে, অদুনা মপুম্বু ঙাইদুনা লৈ। অদুগা ঐশ্বর্য্য লোম্প তরুক্কতিনবা ভগবান মহাকসু মহাক্না অরোইবা নত্তে মহাকসু শ্রীকৃষ্ণনি। অচৎ চক পুম্নক্না তিন্নবা বিশ্ব অসিসু (জগৎ অসিসু) ভগবাননা—বা অমরোমদা বাখল অমরোমদা জগৎপু ভগবাননী হায়রবসু, জগৎ নত্তবা ভগবানগী অতোপ্প মশক রূপ অম লৈরক নত্তে, জগৎ অসিদি ভগবানদগী থোরক্পনি, অদুনা ভগবানগী মশক অতোপ্প অম লেবগুম্ন ঐশ্বর্য্য (লৌ-ভম্বা) তরুক্ক তিনব ভগবানসু শ্রীকৃষ্ণনি হায়রবসু শ্রীকৃষ্ণগী অতোপ্প মশক অম লৈতব নত্তে। শ্রীকৃষ্ণগী অতোপ্প মশক অম লৈরি, ভগবান অসি শ্রীকৃষ্ণগী মশক অমনি হায়না খঙনৈ।

ঐশ্বর্য্য তরুক্ক তিনবা পরব্যোমাধিপতিদি (পরব্যোমগী মপুদি) নারায়ণগী শকক্মি, মরম অসিনা ঐশ্বর্য্য তরুক্ক তিন্নবা ভগবান হায়রবদি নারায়ণবু খঙনৈ। শ্রীকৃষ্ণসু ঐশ্বর্য্য তরুক্কা তিন্নবনি, তৌইগুম্বসুং ঐশ্বর্য্য অদু মহাক্কী (শ্রীকৃষ্ণগী) চপচাবা লক্ষণ মশক নত্তে, মহাক্কী চপচাবা লক্ষণদি অসমোদ্ধ মাধুর্য্যনি (চাংদম্নীংঙাই লৈতনা পুক্নিং হুবনি)। ব্রহ্মদা অমসুং পরমাত্মাদা শক্তি শাৎকায়দে (কোংদোক্তে), ঐশ্বর্য্য লৈতে। নারায়ণদা মখল পুম্নমক্কী ঐশ্বর্য্য কোংদোক্ই, অদুনা ব্রহ্ম অমসুং পরমাত্মাদগী নারায়ণনা

শক্তি লৈব হেল্লী। নারায়ণগা শ্রীকৃষ্ণগা মশক খেন্নদে হায়না ১/২/২০ দা হায়রি। তৌইশুনসু মশক খেন্নরবসু মওং খেন্নব লৈ—নারায়ণদি থুং মরি পাল্লী ঐশ্বর্য্যগী মশক্তি; অদুগা শ্রীকৃষ্ণদি থুং অনিদা পানবনি-বেণু (বাঁশী) পাযবনি (মাধুর্য্যগী মশক্তি) ১/২/২০/২১ ॥ মাধুর্য্যবু ঐশ্বর্য্যনা কৃপ্পা, নম্‌শিন্‌বা ঙমদে, মাধুর্য্যনদি ঐশ্বর্য্যবু কুপ্‌শিন্‌বা ঙম্মী, খেন্নবা অসিদগী থঙ্‌বদি নারায়ণগা শ্রীকৃষ্ণগা খেন্নদবা পোৎ নত্তে। মরম অসিনা ব্রহ্ম, পরমাত্মা ভগবান নারায়ণ মখোয পূর্ণনা অসি বৃন্দাবন শ্রীকৃষ্ণগী মখাপোন্‌ব ভাক্তনি অদুনা মখোয়দি খ্বায়দগী অথোইবা তত্ত্ব নত্তে। শ্রীকৃষ্ণনা খ্বায়দগী অথোইবা তত্ত্বনি; অদুম ওইবা শ্রীচৈতন্য ওইনা অবতার তৌবরে হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা খ্বায়দগী অথোইবা তত্ত্বনি। শ্লোক অসিদা অস্য (মহাক্কী) অয়ং (মহাক) শক্তিমবিবসি সাক্ষাৎ ওইনবগী খুদম্নি। —শ্লোক অসিনা পোৎশক লেপ্পা মঙ্গলচরণ ওইরে।

অনর্পিতচরীং চিরাৎ করুণয়াবতীর্ণঃ কলৌ,
সমর্পয়িতুমুন্নতোজ্জ্বলরসাং স্বভক্তি শ্রিয়ম্।
হরিঃ পুরটসুন্দরদ্যুতিকদম্বসন্দীপিতঃ
সদা হৃদয়কন্দরে স্ফুরতু বঃ শচীনন্দনঃ ॥৪

গৌর—কৃপা—টীকা

শ্লোক। ৪। অন্বয়। চিরাৎ (মতম কুহনা অমসুং শাংনা) অনর্পিতচরীং (সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর যুগ অহুমদা পীথিদ্রিবা) উন্নতোজ্জ্বলরসাং (য়াম্না কওথ্রবা, বাংথ্রবা অথোইবা মধুর্‌ রস্‌কী মশক্‌ ওইবা) স্বভক্তিশ্রিয়ম্ (মহাক্কী সেবাগী মরম ওইবী ভক্তিগী নিংথিজবা সম্পত্তিবু) সমর্পয়িতুং (পীবিগে তাবপাগে হায়বগীদমক্) কলৌ (কলি যুগ্‌ত) করুণয়া (চান্‌বিদুনা, কৃপা তৌবিদুনা) অবতীর্ণঃ (গর্ভগী অরাবতনা পোকপা=অবতার তৌবিরিবা) পুরটসুন্দরদ্যুতিকদম্ব সন্দীপিতঃ (সনাদগী হেন্ন নীংথিজরবা কুচুনা ঙাল্লবা) শচীনন্দন হরিঃ (শচীগী মচা নোংশানা=হরিনা) সদা (মতম লৈব খিবিক্ত) বঃ (বৈষ্ণব খিবিক্কী) হৃদয় কন্দরে (থম্মোইগী লোক্তা=গুহাদা) স্ফুরতু (ফাওবিরসনু)।

অনুবাদ। মতম শাংনা হায়বদি সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর যুগ অহুম অসিদা কনাগুম্ব অবতার অমনা তাকপীখিদ্রিবা (পীবিখিদ্রিবা) য়াম্না কজথ্রব অথোইবা মধুর (শৃঙ্গার) রস্‌কী

মশক্ ওইবা মহাক্কী ভক্তিগী নিংথিজববু (ভক্তি সম্পত্তি,বু) দান তৌবিগে হাঙ্গৈবগী-দমক কৃপা তৌবিদুনা কলিযুগতা অবতার, তৌবিরিবা।

সনাদগী হেন্না নিংথিজরবা কুচুনা ভান্নবা, শচীগী মচা হরিনা মতম লৈবখিবিক্কা নখোয়গী (বৈষ্ণবখিবিকী) থম্মোইগী লোক্তা (গুহাদা) ভান্দুনা লৈবিরসনু। ৪

অনর্পিত চরীং—স্ত্রীলিঙ্গ দ্বিতীয়া বিভক্তিনি। স্বভক্তিশ্রিয়ংগী বিশেষণনি।

চিরাৎ—মতম কুইনা, মতম শাংনা।

মতম্ কুইনা অনর্পিত চরীং—মমাংঙৈদা দান তৌথিদ্রিব ভক্তিগী ফজবা সম্পত্তি। স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা কল্প অমদা (হাঙ্গৈবদি ব্রহ্মাগী নোংমদা) অমুক্তং জগৎ অসিদা অবতীর্ণ ওই (গর্ভদা অরাব থঙদন পোকই) (১।৩।৪), ফোংদোকুই। দ্বাপব লৌব যুগতা ইবুংঙো মহার ব্রজদা ফোংদোক্নুনা রাসনচিংব লীলা শন্দে বই। মতুগা হেক থংনবা মতুংগী কলি যুগতা ইবুংঙো মহাক্না শ্রীবাধাগী ভাব কুচু লৌদুনা নাপু মচু মান্বা ওইনা (লৈহাউ লৈগে নচু মানবা ওইনা) শ্রীশাগৌব সুন্দর কৌদুনা নবদ্বীপতা অবতীর্ণ ওই, (ফোংদোকই)। শ্রীমদ্ভাগবত (১০ ৮।৯) নন্দগী মফমদা গর্গমুনিনা হায়খি) "আসন বর্ণাস্ত্রয়োহ্যস্য গৃহ্নতোহনুযুগং তনুঃ। শুক্লো রক্তস্তথাপীতঃ ইদানীং কৃষ্ণতাং গতঃ॥" শাব অসিদগী থংনা উম্মা, হৌখিবা দ্বাপর যুগকী মমাং কবিগুম্ব কলিযুগ অমদা মহাক নাপু মচ (লৈহাউ লৈবা মচ) নাম্না অবতীর্ণ ওইখি। অদুম ওইবা কলি যুগ অদুগী মতুংদগী হৌজিক্কা কলিযুগ মমাং ফাওবদা যাম্ন শাংলবা মতম অসিবু 'চিরাৎ" না থঙৈন, মমাংগী কলিদস মহাক্না ভক্তি সম্পত্তি (ব্রজপ্রেম) দান তৌখি; তৌইগুম্বসুং মতুগী মতুংদগী হৌজিক্কী কলি যুগবী মমাং ফাওবদা লৈরিব যাম্ন শাংলবা মতম অসি ফাওবা প্রেম ভক্তি।পবিত্রি—ভাব, অসিনা অনর্পিত চরীং শব্দগী বা মচংনি। অহানবগী মমাংথংব যাম্ন কুইরবা কলিদা প্রেমভক্তি পিবিরম্মী, মতু মতমগী মতুং ইন্না লূপ্তগুম (মাঙখিবগুম) তৌখ্র

"কালান্নষ্টং ভক্তিযোগং নিজং যঃ প্রাদুষ্কর্তুং কৃষ্ণ চৈতন্যনামা। আবির্ভূতস্তস্য পাদারবিন্দে গাঢ়ং গাঢ়ং লীয়তাং চিত্তভৃঙ্গঃ॥ শ্রীচৈতন্যচন্দ্রোদয নাটক॥ ৬, ৭৪॥

বালেন বৃন্দাবনকেলিবার্ত্তা লুপ্তেতি তাং খ্যাপয়িতুং বিশিষ্য। কৃপামৃতেনাভিষিষেচ দেবস্তত্রৈব রূপঞ্চ সনাতনঞ্চ॥ চৈঃ চন্দ্রোদয॥ ৯ ৪৮॥" অদুম ওইনা লূপখিবগুম (মুংখিবগুম) তৌরবা প্রেমভক্তি অদু, জগতকী জীবগী মফমদা অমুক হন্না পীবিগে যেনবিগে হাঙ্গৈবগীদমক কৃপা হন্দক্কী কলিযুগ অসিদা প্রভুনা ফোংদোক পিবরিবনি।

শ্লোক অসি আশীর্ব্বাদগী (বোর) মশক ওইবা মঙ্গলাচরণ ওইরে। "শচীগী মচা হরিনা কৃপা তৌবিদুনা পূন্নমক্কী থম্মোইদা ভান্দুনা লৈবিরসন্নু (কাওবিরসন্নু) বাহৈ অসি জগৎকী মফমদা লাইরিক লেংলিবা (গোস্বামীনা আশীর্ব্বাদ হায়বদি (বোর) পীবনি। "মরিগুবা শ্লোক অসি জগৎতা আশীর্ব্বাদ তৌবনি। মফম খুদিংমক্তা কৃষ্ণচৈতন্যগী থৌজাল, নিজবা ওাক্কনি। ১ ১।৮"

শ্লোক অসি শ্রীরূপ গোস্বামীগী বিদগ্ধ মাধব নাটক কৌব লাইরিক্কী মঙ্গলাচরণদগী শন্তোক্পনি। বনাগুমনা মপুং বাদা নীংব যাই নত্রগা হংবিব য়াই। কবিরাজ গোস্বামীনা মশানা শ্লোক শেমদুনা, খুবমজংগী মশক ওইবা মঙ্গলাচরণগা,—পোৎশক লেপ্পগী মশক ওইবা মঙ্গলাচরণগা নিবে অদুগা আশীর্ব্বাদকী মশক ওইবা মঙ্গলাচরণনা মশানদি শেমজত্রদুনা বরি মরমগী মক শ্রীরূপ গোস্বামীনা শেমজবা (ইজবা) শ্লোকতগী শন্তোকলুরিবনা?

মাতুগী পাউখুমদি অস্নুম ওইবা যাই। বৈষ্ণবগী ভাবতি (পুক্নিংদি) নাপীদগী হেন্না তোল্লী বৈষ্ণবনা মী পূম্নমক্কী হেন্না পকই লৈ হ্লী হাইনা পুক্নিংনা খল্লী। কবিরাজ গোস্বামীনা 'হন' কৌবা জীবদগী হেন্না তোল্লী হাইনা নাইডি। মানা হাইরম্মী—"অমাংবগী হন্দগী ঐনা হেন্না তোনবনি। ১।৫।১৮৩॥" বৈষ্ণবনা খল্লী, মনাদম্নু আশীর্ব্বাদ (বোর) তৌবদা মতিক চাদে, মরমদি, অচৌবা অথোইবা মীনা মী মচাদা (হস্তবা মীদা) আশীর্ব্বাদ (বোর) পীবা হৌনৈ পীনৈ। অমহেক্তসু কবিগুম্না লাশবিক অমা ইব তারবদি মঙ্গলাচরণ চংডি, মঙ্গলাচরণ তৌব তারবদি খুবমগী মঙ্গলাচরণ অমসুং পোৎশক লেপ্পগী মঙ্গলাচরণ অদুগা আশীর্ব্বাদগী মঙ্গলাচরণ শতুম অসি চংনৈ, অদু নত্রবদি মপুং ফাদবা কৌই। বৈষ্ণবনা তৌবী অতোনবগী ভাবদু ওাক্পা, অদুগা আশীর্ব্বাদগী মঙ্গলাচরণসু বাযদব অস্নুম হাইনা খন্দনা খুবমজংগী মশক ওইরবা শ্রীরূপ গোস্বামীগী "অনর্পিতচরীম্" শ্লোকপু শিনজিল্লিবনি আশীর্ব্বাদনা খজনবদি যাইফবা পাম্ন, যাইফহন্নীংবা মঙ্গল (মঙ্গোল) ওইহল্লাংনি। ভগবানগী কৃপাদগী হেন্না চাউবা মঙ্গল, য়াইফবা অম লৈত্রে। অস্নুম ওইবা ভগবানগী কৃপাবু ভিক্ষা নিজবদি, অচৌবা মী অমসুং অতোনবা মী পুম্নমকসু ইযা য়াই। মহাজনদুন শাস্ত্রনবা মীনা হেন্না কৃপা ভিক্ষা নিব হেল্লী। শ্রীরূপ গোস্বামী মশনা পুম্নমকগী হেন্ন তোল্লী হাইনা নীংদুনা পূম্নক্কীদমক শ্রীমন মহাপ্রভুগী কৃপা ভিক্ষা নিদুনা আশীর্ব্বাদগী মঙ্গলাচরণ তৌরম্মী।

শ্রীপাদ কবিরাজ গোস্বামীসু শ্রীরূপকী মতো তম্নম্মী অমসুং হাইরম্মী "মফম খুদিংদা কৃষ্ণচৈতন্যগী থৌজাল কৃপা নিজরি।"

ভাব অসিদা খঙনগদবদি কবিরাজ গোস্বামীন্স্ শ্লোক লেংব-শেম্বা ঙম্বনি; অদুবু লনাই শেম্বা তোকথোক্তনা শ্রীরূপকী শ্লোক লৌশিন্নরিবগী অরুবা বাখল্দি, মথাগী অসি ওইবা য়াই : জগৎকী জীবগী মফমদা শ্রীচৈতন্য ইবুংঙোনা চানবিবা অসিতা কবিরাজ গোস্বামীনা চেৎনা নীংজবনি; মহাক্কা য়াম্না তোল্লী হায়না মপুক্কিংনা থনখী, অদুনা মহাক মশানা ইবুংঙোদা হাঈজবদগী শ্রীরূপনা হাঈজবনা হেন্না চেৎকনি; (য়াবিবা য়াই) মরমদি, শ্রীরূপ'ত মহাপ্রভুগী কৃপা-শক্তি লৈরবনি। মরম অদুনা শ্রীরূপকী শ্লোক শিজিন্নরুবা অসিনা মরম ওইদুনা জগৎকী জীবগী মফমদা মহাপ্রভুনা চানবিনবগীদমক শ্রীরূপনা হাঈজবা ওইহল্লগে হাঈনা নীংদুনা কবিরাজ গোস্বামীনা শ্লোক অসি লাইরিক অসিদা শিনজিল্লিবনি।

হৌজিক শ্লোক অসিদা য়াওরিবা শব্দ (বাহৈ) মযাম অসি থম্নদুনা য়েংসি। শ্লোক অসিদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য হাঈনা ইরমদদুনা শচীনন্দনঃ (শচীগী মচা) হাঈনা ইবম্লিংগী মরম করিগীনো? মসিনা খঙনরিবদি ইবুংঙো অসি শ্রীশচীগী শরুক য়াম্না লৈ হাঈবসি ফোংদোকই অমম্মুং খংহল্লী; মতৌ অদুগুমদুনা জীবগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যস্ু য়াম্না মুংশিনব; লৈথোম-লৈনাং তৈরবা অঙাং অদুবু মশানা মতমপাক্তা পম্নগা অমোৎপা পকপা অদু কপ্তোক-পীবগা (তৈথোকপীবগা) অমৃত পীথকপীবা অদুগুম্না য়াম্না থৌজাল লৈববা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যস্ু থম্মোই মোৎলবা (শেংত্রবা) জীবশিংবু মুংশিবিদুনা অদুম ওইবা থম্মোইদা অমোৎপা পকপা অদু তৈথোকপিরগা (কোকহল্লগা) কৃষ্ণ-প্রেম পীনবিদুনা অবাবা কোকহল্লী। মমানা মচাদা মুংশিবদোনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা জীবদা মুংশিবী হাঈদুনা শচীনন্দন : (শচীগীমচা) হাঈনা শ্লোক অসিদা ইরুবিবনি।

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা অথোইবা তত্ত্বন, মনিং মথা তৌবা ভগবান্নি ; তৌইগুম্মস্ুং মনিং-মথা তৌরবস্ু মহাক্কী মহৌশাগী ধর্ম্ম অমদি হোংবা ঙমদে, মতুংদি—মহাক্কি প্রেমগী মথা পোল্লী। মরম অদুনা শচীদেবীনা মুংশিখিবা অদুনা লাকশিনখিদুনা মাগী মচা ওইনা ভাল্লরে (পোক্লরে)।

অম্মুম ওইবা য়াম্না মুংশিবগী মশক ওইরবা শচীগী মচানা :—নথোযগী, জগৎতা লৈরিবা জীব পুম্নমক্কী হৃদয় কন্দরে-থম্মোইগী গুহাদা (লোক্তা)ফংবতু—ঙান্দুনা লৈরসনু। জীবগী থম্মোইবু চীংগী লোকা চাংদম্নরি। মসিনা খঙনরিবদি, চীংগী চীক্লবা লোক্লা মখল-মথা অয়াম্বা হিংসা তৌরবা অকিবগী মশক ওইরবা শা য়াম্না লোত্তুনা লৈ, অদুগুমদুনা মায়াগী মমুংদা লৈরিবা জীবশিংগী থম্মোইদস্ু মখল-মথা অয়াম্বা ফত্তবা বাখল্লা থন্না লৈ। চীংগী অচীকপা লোক্তা মুমিংকী মঙান্ চংদদুনা অমম্মা কুপ্তুনা লৈবগুম্না মায়াগী মমুংদা লৈরিবা জীবগী থম্মোইস্ু অপঙবনা পাপ্না কুপ্তুনা লৈ। শচীগী মচানা কৃপা তৌবদুনা

অষ্টম ওইবা থম্মোই অহুদা কাওবিরম্বদি (ভানবিরম্বদি) মুমিৎ থোক্পাদা অমম্বা চেন্থিবগুম্বা থম্মোইদা কুপ্ত্না লৈরম্বা কন্তবা বাথম, অমোংপা, পাপ, পুম্নমক্ অহু লাম্বা চেনথিগদবনি (কোকথিগদবনি।) .... শচীগী মচাবু অমুক হরিঃ হাঙ্গদ্রি—হরি-শব্দগী অর্থদি মতাং অসিদা সিংহ (নোংশা) হাঙ্গবগী নাতৈচাবা কন্তবা অমা লৈ। থম্মোইগী গুহাগা চৌংগী লোক্তা চাংদম্নম্বসিদা হরি-শব্দগী অর্থ অসি শ্লোক শেম্নিবা গোস্বামীনা নোংশা (সিংহ) নি হায়না লৌরমাল্লে নীংঙৈ। চৌংগী লোক্তা নোংশাগা য়াম্না নম্না মরী অমা লৈনৈ। নোংশানা শামুগী থোপ, য়াম্না পাম্জৈ, শামুগী মকোক্ থোগাইদুনা থোপ, অহু থক্তদবগীদমক মতম অয়াম্বদা হোৎনদুনা লৈ। মসম অহুনা নোংশাবু ফিহুনা শামুনা অচৌকপা চৌংগী লোক্তা চেন্শিন্দুনা লোৎলী, ভৌইগুম্বনুং নোংশানা তাম্নদুনা মক্কম অহুদা শামু অহুবু হাত্তোক্ত্না মাগী থোপ, অহু থক্তোকৃই। জীবগী থম্মোইদা পাপ, লৈ। নোংশাগা শচীগী মচাগা অমম্বং থম্মোইগা লোক্তা চাংদম্নথিবনা, শামুগা থম্মোইদা লৈম্নিবা পাপ,কা চাংদম্নবা তারে। নোংশানা লোক্তা চংলগা শামুবু মাঙ্হন্বগুম্বা শচীগী মচাসু জীবগী থম্মোইদা চংলগা হাঙ্গবদি ভানবিরগা, লৈরম্বা পাপ পুম্নমক অহু মাঙ্হন্বি। হরি শব্দগী অর্থ অসি য়াম্না য়াম্নী, অহুবু মরু ওইবদি অনিথকনি। (১) হরি-অমঙ্গল-কন্তবা পুম্নমকপু হুরান্বা অহুবু হরি কৌই। (২) পুক্নিং (মন) হুরান্দুনা প্রেম পীবা অহুবুসু হরি কৌই। শচীগী মচাবু... ...শ্লোক লোংলিবনা হরি হায়রুরিবগী মবম অসি মথক্কী অর্থ অনি অসি ইবুংঙো মঙোন্দা ভান্দুনা লৈবনা ওইরমাল্লে হাঙ্গনা নীংঙি, ননাই তোল্লবনা। অমঙ্গল হাইবসি করিনো? মঙ্গলগী ওম্না-তৈনবা অহু অমঙ্গলনি। অহু ওইববদি মঙ্গল হাইবসি করিনো? ঐথোইম্না পুক্নিংনা পাম্নরিবা নীংজরিবা অহু থুংবা (ফংবা) অহুবু মঙ্গল কৌই। ঐথোয়না করিগুম্বা মরম অমগীদমক করিগুম্বা মক্কম অমদা চৎপ। মতমদা ঈশিং সনাবুন অথনবা উরগা পুক্নিং মুংঙাই, হয়াওই, মবমদি ঈশিং সনাবুন অথনবা অসি মঙ্গলগী মশক্নি। অহুগা ঈশিং সনাবুন অথনবা উবগী মহুক্তা তুংদা কনাগুম্বা অমনা হাকথি থনবা নকোংনা তারবদি ঐথোয়না নীংজরিবা মরম অহু নীংবা থুংলবোই কায়না থল্ল্বদা পুক্নিং মুংঙাইতে, অকিবা পোকই, মরমদি মহৌশাদগী হাকথিথনববু অমঙ্গলনি ফক্তবনি হায়না থগুমকই। নীংজরিবা অহু থুংগদৌরি হায়না ঈঙ্গং তৌরক্ত্না পুক্নিং মুংঙাইহনবা অহুবু মঙ্গল (মঙোল) কৌই। নীংজরিবা অহু থুংঙোইদৌরি হাইনা ইঙ্গিৎ তৌরক্ত্না পুক্নিং বাহনবা-কিহনবা অহুবু অমঙ্গল কৌই। অচৎ-চত্তা হায়দুনা লৈম্নিবা জীব পুম্নমক্তা নীংলিবসি মুংঙাইববুনি, জীব পুম্নমক্তী মহুংদা, থগুবা গুম্নবগী শক্তি অমমম ইলৈ-লৈ, মাহুবু জীবাত্মা (থরাই) কৌই। মী, শা, উচেক, ভীন, কৌজেং, উ, উরি, অসিনচিংবা জীব পুম্নমক্তী মহুংদা চপমাহনা

জীবাত্মা অমমম লৈ। মরম অদুনা থ্বাইনা নুংঙাইবা পামজদুনা - নীংজরিবা অসি জীবাত্মা (থ্বাই) না নীংথনি। জীব পুন্নমক্কী হকচাং লৈ, হকচাং অসি মওং অমগা অমগা মান্নদে। সংসারগী জীবনা হকচাংগী নুংঙাইনবগীদমক্তা নোক্করি, খৌরাংনরি হায়না নীংনবা য়াই। মরম অসিনা থ্বাইনা নুংঙাইবা পাম্নরিবা অসি হকচাংগীনু ওইবা য়াই, তৌইগুম্বনুং হকচাং অদিদি অরেপ্পা পোৎ নত্তে, অরেপ্পা জীবাত্মানা হকচাংদা লৈরিবা মথৈ হকচাং অসি অরেপ্পা ওইরোই নিংবগনি।

জীবাত্মানা হকচাং থাদোক্লুনা চৎপ্রবদা (শিপ্রবদা) হকচাংঙাক্তা লৈহৌরে, লেং-ওৎপা ঙমত্রে, করিসু খঙত্রে, মতম অদুদা নুংঙাইনীংবগী য়াথন লৈত্রে। জীবাত্মানা (থ্বাইনা) লিংলম্বা অদু হকচাংগী অমসুং হকচাংদা লৈরিবা ইন্দ্রিগী মন্নংদা কাওরকই হায়দুনা হকচাংগী অমসুং ইন্দ্রিগী মচু শঙথিদুনা, হকচাংনা অমসুং ইন্দ্রিনা নীংবা ওইরবোই হায়না নীংঙ্বনি। থাঙ্গেশেংবদি অরেপ্পা ওইবা জীবাত্মানা (থ্বাইনা) নীংবনি; অরেপ্পা লৈতবা হকচাংনা নীংবা নত্তে। জীবাত্মাদি অরেপ্পা মাঙত্রবা পোৎনি, অদুনা মহাক্না নীংবা অদুসু অরেপ্পা-মাঙদবা ওইগনি।

ঐখোয়না নুংঙাইনবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনরি, হোৎনরিবসু করি করিগুম্বা মঙলদা মহৈ য়াল্লি, মাদুদা নুংঙাইজে অমসুং চাবসু ফংঙি। তৌইগুম্বসুং নোনা ফংলিবা নুংঙাইরদুগী মথাইকাবা অদু কোকথ্রগা অমুক অতোপ্পা অনৌবা নুংঙাইবা অমমুক পাম্লকুই; মাদুসু অদুম মফংঙি, অদু ওইরবসু অমুকসু অতোপ্পা হেন্না নুংঙাইবা অমা ফংননবগীদমক য়াথন্ তৌরকুই। মতৌ অসুম তৌবসিদা ঐখোয়না উবা ফংঙি—নুংঙাইনীংবগী করি অমত্তা অপেন্‌বা লৈত্তে। মতৌ অসিদা খঙবা ঙম্মী—নুংঙাইনবগীদমক্......... যুগ কয়া কয়াসুক্কী মমাংদগী নীংনরক্লীবসি অপেন্‌বা লৈতবনিনা নুংঙাইবা অদু ঐখোয়না সংসার অসিদা ফংবা ঙমত্রে, ফংলম্বদি নুংঙাইনীংবগীদমক য়ানা চেংঙোক্-চেন্‌শিন্ তৌরিবসি তৌরম্লোইদবনি। নুংঙাইবা হাঙ্গৈবদুগী মশকসু ঐখোয়না খঙ্বা ঙমদে, অদুনা মাদু ফংনবা মতুং ইন্বসু ঙমদে। ...... করম তৌরগা নুংঙাইবা ফংগদগে থনবদা—ইচ্ছা-ইশুদগী ফংবা য়াই নত্রগা দুখীদগী ফংবা য়াই নত্রগা শেন-থুমদগী ফংবা য়াই, হাঙ্গীনা খল্লী—তৌইগুম্বসুং পুম্নমক অসিদগী অপেন্‌বা নুংঙাইবা ফংবদি ইঙম-মঙমত্রে। থাঙ্গীনা মমাংঙৈদা কনাগুম্বা ঋষি অমদা হংলম্মী—নুংঙাইবা প্রোৎশক অসি করিনো? অতোপ্পদুনা থুম্মী শ্রীকৃষ্ণনা নুংঙাইবগী মশক্তি—রসকী মগ্নক্তি—অথোইবা তত্ত্বনি; ইবুংঙো মাবু ফংলগা জীবনা মতম কুইনা নুংঙাইবগী অপেন্‌বা ফংগে হাঙ্গীনা নীংজবা অদু থুংঙি, মতম অদুতদা জীবনা নুংঙাইবা পামদুনা চেংঙোক-চেন্‌সিন্ তৌবদু পোৎথারে। মাসিদগী করি খঙ্বা ঙমগে হাঙ্গীবদা—

মুংথাইরগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণ ফংননবগীদমক জীবাত্মানা (থরাইনা) মতম শাংনা শাজবক্লবনি, মাযানা পুল্লবা জীবগী মশাদা মুঙাইবা অদু ফোংদোক্তুনা হাইরিবা অপঙবা থৌনা মাতুংদুবু হকচাংগী মুংঙাইনবর্নি হাইনা শেরাম্মনা লৌই, মরম অদুনা মায়ানা শুমংহৎলে। জীবনা মানা নীংজরিবা মুংঙাইবা অদুগী মশক থঙবা ঙমদে। থাঙ্গৈশেংবদি, শ্রীকৃষ্ণনা জীব থুংদংগী নীংবা থুংহনবা ঙম্বা মশক্নি। শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য আস্বাদন তৌবনা (কৃষ্ণগা চনবা) মহাক্কী অরোইবা মুংঙাইবগী অপেনবনি, লীলাদা শ্রীকৃষ্ণগী ইমুং-মন্নুংগী ত-হন্নদুনা সেবা তৌজবনা ইবুংঙো মহাক্কী মাধুর্য্য আস্বাদন (চাবা-ফংবা) ঙম্মী। শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্যনা নীংবা থুংহনবা ঙম্বা পোৎ ওইরগা, মহাক্কী মশক-গুণ লীলনচিংবা মহাক্কী থাম, লোইনবনা শ্রীকৃষ্ণ ফংননবগী উপায়নি। মাসি নত্তবা অতৈ পুম্নমক—হাইবদি জগৎ, সংসার, মায়ানা পুল্লিবা জীবগী অমাঙবা নাইরিবা হকচাং, পুম্নমক অদুবু নীলুববদি ফত্তবা অমঙ্গল পোবক্কমগী মশক্নি, মরমদি—

জীবাত্মান মুঙাইনবগীদমক শ্রীকৃষ্ণ ফংননবা নীবা অদুবু মাযাগী মন্নুংদা লৈরিবা জীব এ থাযনা হশাইশাগী মুংঙাইনবগীদমক্তি থন্দুনা হকচাংগীদা মরু ওইনা থল্লে। থংনা মব ওইনা নীংব রাখন অসি অমঙ্গলগী মরুনি অদুনা প্রাকৃত অচম্বা পোত্তগী মুংঙাইনা ফঙনি হাইনা পুরংনা নাংফম থোক্তে।

শচীনন্দন (শচীগী মচানা) অমঙ্গল পুম্নমকপু চনাল্লী হাইদুনা মহাকপু 'হরি' হাইনা থৌনি। 'বুংঙো মহাক' চানবিবগা জীবনা, হকচাংন মরুনি হাইনা থনবা রাখন অদু লোকচল্লী। মাসনা হরি শব্দগা মরুওইবা অর্থনি।

হরি শব্দগী অমনত্তবা অর্থ তৌজরু—হবু ঙ্গো মহারা প্রেম পীরগা পুক্লিং (মন—মোন) চুরাল্লী। শ্রীশচীনন্দননা মতৌ করম্না প্রেম পীবগা পুক্লিং চুবানবগে, মাসি থন্নসি। মথক্তা হায়জখরে—জীব আসন, হকচাংনা মরুনি হাইনা নীংবা অদু শচীনন্দনন্না চুরাল্লী; চুরাল্লরসি হকচাং নতে, 'লাম্না থল্লগা পুক্লিং' অদুবু চুবানবনি। লৌ-উবা মীনা ষন অদু মপুগী য়ুমদা লৈরিবা মতম মখে য়ুম্নুগী ওইবম্মী, চুবানবনা ষন অদু চুখিদুনা শিজিন্নরবদি চুশানবা অদুগী পোৎ অদুম ওইখ্রে। শচীনন্দননসু জীবনা লাম্না থল্লিবা পুক্লিং অদু (হকচাংনা মরুন হাইনা থল্লবা পুক্লিং অদু) চুরাল্লগা মাঙোন্দা থম্মী—চুরাল্লিরবগী মমাংদদ জীবগী হকচাংদা লৈরম্মী, চুরাল্লবগী মতুংদদি জীবগী হকচাংদা লল্লে, শচীনন্দনগী (শ্রীগৌরাঙ্গগী) মথনদা লৈখবে। মতম অদুদা চুক্ক রবা পোৎ অদুগী মযাই অদু শচীনন্দনদা চংখরে। পোৎ অদুমক্তি মহৌশানা দোষ নত্রগা গুণ লৈবা পোৎশক নত্তে মাদুনা লৈক-লৈক্রবা মফমদা, লৈফম ওইক্লরিবা পোৎ অদুগী দোষগুণগী মতুংইন্না মশক ওল্লি।

করিগুম্বা মঙান অমনা কৈ নত্রগা লীল অমগী মথক্তা তাক্লবা কান্দা মাহু·· ······ মাহু উক্লরগা ঐখোয়দা অকিবা পোকই ; অমস্তুং মনম নমথিবা তুকচবা হঙোইবা পোকই ; অতুগা মঙান অতুনা করিগুম্বা মনম মুংশিন্নবা ফজরবা লৈ অমগী মথক্তা তাবকান্দা উক্লরবদি ঐখোয়দা মুংঙাইবা পোকই। মতৌ অম্তম তৌতুনা অকিবা, তুকচবা, মুংঙাইবা অসিনচিংবা অতোপ-অতোপ্পা ভাব পোকই। অসিগুমতুনা পুক্নিং পোৎশক অমতনা মথল-মথলগী পোৎশক্তা চংলুরগা, তাক্লরগা ভাব মথল-মথল থোরকই। জীবগী পুক্নিং-বাখন অতুনা হকচাংদা চংগ্রগা লৈরুয়গা অমঙ্গলগী মশক ওই; তৌইগুম্বস্তুং শচীনন্দন্দা (শ্রীগৌরাঙ্গদা) লৈক্লরগা মঙ্গলগী মশক্ ওই।

মঙায়া থাওমৈ য়াওদনা লৈবা ঙমদে, বাখনস্তু মন (পুক্নিং) নত্তনা লৈবা ঙমদে। বাখন অসি পুক্নিংগী ধর্ম্মনি। মঙান অতু হুরানবা তারবদি মাগী লৈকম থাওমৈ অতুবুস্তু হুরানবা তারে, অতুগুমতুনা বাখন অতু হুরানবা তারবদি মাগী লৈকম মন (পুক্নিং) অতুবুস্তু হুরানবা তারে—শচীগী মচানা বাখনগা লোঙ্গননা মন অতুবুস্তু (পুক্নিং অতুবুস্তু) হুরাল্লী। অহানবদা বাখনগা পুক্নিংগা হকচাংদা লৈরম্বতু হুবানগ্রবনিনা শচীনন্দন্দা লৈগ্রে। পুক্নিং-বাখন্না পামজবদি মুংঙাইবনি, হকচাংদা লৈরিঙৈগী মতমদা হকচাংগী মুংঙাইনবা ওই। শচীনন্দন্না হুরানগ্রবা মতমদা শশীনন্দনগী মুংঙাইনবা তৌই। তৌইগুম্বস্তুং শচীনন্দনগী মুংঙাইনবগীদনক বাখন তৌবা মতমদা প্রেম কৌরে। ইশাগী মুংঙাইনবগীদমক থনবা মতমদা কাম কৌই। "আত্মেন্দ্রিয়প্রীত ইচ্ছা, তারে বলি কাম"—ইশা ইশাদা লৈরম্বা পুক্নিং অতুনা চৎথিতুনা শচীনন্দনগী মুংঙাইনবা থল্লকপা মতমদা শচীনন্দন্না জীব অতুগী পম্মোইদা প্রেম হাপ্পীরে (পীবিরে)।

পুক্নিংগা লোযননা বাখনস্তু য়াওনা শচীনন্দনা হুরাল্লগা মতুগী মহুৎতা জীবগী থম্মোইদা প্রেম পীবিরম্মী। মতৌ অসিদা উবা ফংলে, অমঙ্গল পুম্নমক হুরাল্লী হায়তুনা শ্রীশচীনন্দনবু হরি অমস্তুং প্রেম পীবিরগা মন (পুক্নিং) হুরাল্লী হায়বগীস্তু মহাকস্তু হরি হায়না খঙনরে। হৌজিক বাহং অমা লাকপা য়ারে—শ্রীশচীনন্দন্না কনা-কনাগী অমঙ্গল হুরালবগে অমস্তু কনা-কনাগী পুক্নিং (মন) হুরাল্লবগে ? হুরাল্লবদি হরি শব্দগী অর্থ হায়রিবা ময়াম অসি অচুম্বনি হায়না লৌফম থোকই, নত্রবদি অর্থ ময়াম অসি লৌকম থোক্তে। পাওথুম ওইনা খুদম থয়া উচ্চরি— শ্রীশচীনন্দন্না, জগাই-মাধাই, চাপাল-গোপাল, শ্রীরূপ সনাতনচিংবগী অমঙ্গল পুম্নমক হুরাল্লী, মথোয়শিংদা প্রেম পীবিরম্মী। বারিথগুগী লম্বিদা বৃন্দাবন চৎপগী মতমদা বোন্দা (বন্দা) লৈবা নীংগ্ শেৎপ মী, কোল-ভীল অসিনচিংবা জাৎ নাইদবা চাংমীগী জাৎ মী অয়াম্ববু অমস্তুং কৈ শওম্নচিংবা হিংশা তৌবা শা পুম্নমক্তস্তু কৃষ্ণপ্রেম পীবিরম্মী। প্রভুনা লম্বি চৎপা মতমদা কনাগুম্বা লাইবক্ ফবা মীনা উক্লরবদি মী অতুগী

মচিন্দগী কৃষ্ণ নাম শোনবা ভাবা ফংভি, মী অতুমক শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমদা তাওই। মতৌ অমুম্না কৃষ্ণপ্রেমদা তাওবা অসিগী মমাংদনা মখোঙ্গী মশাদা লৈরম্বা অমঙ্গল অহু কোক্‌হল্লখিনি, অমঙ্গলনা হুকচাংদা লৈরিবমখৈদি প্রেম পোকপা ঙমদে।

মরম অসিনা শচীনন্দনবু (শচীগী মচাবু) হরি কৌরবগী মরুওইবা অর্থ মশানি তৌজরে। পুরট সুন্দরদ্যুতিকদম্ব সন্দীপিত - শব্দ অসিনা খঙনরিবদি শ্রীশচীনন্দনা মহাক্কী য়াম্না নীংথিজরবা মধুর্য্যগা লোঙ্গননা জীবগী থম্মোইদা কাওবিরসনু; অমুম ওইবা মাধুর্য্যগী মেনা জংলকা মঙাল অমুনা পুম্নমক্কী থম্মোইদা মহাক্না ঙালহনবিরসনু।

অমুম ওইবা শচীনন্দনমা কলৌ-কলিদা, কলি যুগতা করুণয়া অবতীর্ণ :— কৃপা তৌবিদুনা অবতীর্ণ ওইরে। গীতা (৪/৭-৮) দগী খঙবা ঙম্মা — ধর্ম্মনা ময়েং তাম্লক্লবদা অধর্ম্মনা কনখৎলক্লবদা, সাধুশিংবু লানবিনবগীদমক অমসুং পাপীশিংবু মাঙহন্নবগীদমক অমসুং ধর্ম্ম লিংখৎনবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা যুগ যুগ পুদিংদা অবতীর্ণ ওই। ধর্ম্মবু লিংখৎপা সাধুশিংবু লানবিবা অমসুং পাপীশিংবু মাঙহনবা-পুম্নমক অসি জগৎকী মফমদা মহাক্না চানবিবগী থুদম্নি; মরম অসিনা মহাক্না অবতার তৌরিবসি জীববু চানবিদুনা (কৃপা তৌবিদুনা) অবতার তৌরিবনি। মাধুর্য্যগী হ্না অমুক থম্নসি—অতোপ্পা অবতারদা মহাক্না সাধুশিংবু লানবি, সাধুশিংনা মহাক্কা থৌজান, চানবিবা অদু খঙবা ঙম্মী, মহাওসু লৌখি। ধর্ম্ম লিংখত্তুনা মীগী কান্নবসু তৌই, মখোঙ্গীশিং অদুসু, থৌজানবিবা অসি খঙবা ঙম্মী। হিংচাবগীদি মথৱাই হাৎতোকই, কংস-নচিংবা হিংচাব' পুম্নমক হাৎতোকই; মহাক্না মখোঙ্গীশিং অদুবু চরণগী নাক্তা পুশিনবী মখোয় ময়াম অদুগী মফমদাদি মসিসু থৌজান (করুণা) জাৎ অমনি। তৌইগুম্বসু করুণা থৌজান অসিদি ইবুংঙোমাগী চরণ ফংলবগী তুংদা খঙবা ঙম্বনি।

হিংচাবশিং অদুনা শিদ্রিভৈদদি মখোয়গী মরীমত্তানা শ্রীকৃষ্ণবু থৌজাল হৈত্তে হাঙ্গনা নীংঙি। হিংচাবশিং অদুনা মশাদা মথৱাই অদু লৈরিবমক্তম মখৈ করুণাগী থৌজানগী মাধুর্য্য অদু খঙবা ঙমদে; হিংচাবগী ইমুং-মচুংনসু খঙবা ঙমদে। পুম্নমক অসিগী মফমদদি ইবুংঙো মাগী থৌজান ফোংদোক্কে। তৌইগুম্বসুং গৌর অবতারগী মতমদদি মহাক্না করিগুম্বা খুৎলাই অমত্তা পাঙ্গথিদে, কনাগীসু মথৱাই হাৎখিদে; হরিনাম্ প্রেম পীবিদুনা পুম্নমক্কী থম্মোই থোৎহল্লী-শেংহল্লী। হিংচাবশিংবুসু হাৎখিদে। 'রাম' নচিংবা অবতারদদি শাওদুনা খুৎলাই পাঙ্গথি, হিংচাবশিংবু হাৎখি। হৌজিক্তি খুৎলাই পাঙ্গথিদ্রে, কনাগীসু মথৱাই হাৎখিদ্রে, পুম্নমক্কী থম্মোই শেংদোকপীরে। ফত্রবা জগাই-মাধাই মচিন্নমনাওবু মী অয়াম্বনদি অকনবা দাণ্ড পীহন্নীংঙি। তৌইগুম্বসু শচীগী মচানদি মখোঙ্গী পাপ, অদু হুক্কনা প্রেম পীবিদুনা হুংঙাইহল্লী; অমুম ওইবা চাংদম্নীংঙাই লৈত্রবা থৌজাল অসি উবদা

মখোইশিংনা ওকুশি, পেল্লদুনা শ্রীনিতাই-গৌরগী চরণদা মথক্তাই কৎথোকখি। কাজিনা লানবা কনায়ুকন্থ শচীনন্দনদা ওাকপিখি, প্রেম পীদুনা মুংঙাইহনখি। লাইরিক তম্মিনবা ছাত্র কনায়ুকম্থ শচীনন্দনগী মফমদা য়ামা লাকনী। মখোই অদুনা লম্বোইরবগী মতুংদা লানখিখি। বৈষ্ণবকী মফমদা লানবা অমত্তুং থোওইদবা অসি য়ামা তৌহৈদবনি হায়বা খঙনবগীদমক্তা চাপাল-গোপালগী মশাদা লাইথুং থুংহনখি; তৌইওক্তুং মাবুন্থ শিবা কাওবা লাইথুং থুংহন্নখিদে; মমৈথংদা কোকহন্দুনা মথক্তাই মুংঙাইহনখি। অমুম ওইবা অঙকপা মাধুর্য্য অসি কলিগুম্বা যুগ অমদা অবতার তৌখিত্রি; কলিমুক হাঙগনি দ্বাপর লীলাদস্থ থোক্তখিত্রি। মরম পুম্নমক অসি লৈবদগী শ্রীশচীনন্দনগী অঙকপগী মশক ওইবা মাধুর্য্য থঙহন্নীংদুনা শ্লোক অসিদা "করুণয়া" শব্দ শিজিন্নখিবনি।

অদুগা করি মরমগী শচীনন্দনদা অবতীর্ণ ওইরিবা? সমর্পয়িতুম্……….কোংনা শিন্নগে হাঙবগীদমক। করি শিন্নদোরিবা? স্বভক্তিশ্রিয়ম্—মহাকী ওইবা ভক্তি-সম্পত্তি। শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা চঙদবা ভক্তি অদুবু মহাকী ভক্তি কৌই।

চিরাৎ অনর্পিত চরীং—মতম্-শাংনা দান তৌরক্তবা মমাংগী কল্পদা স্বয়ং ভগবান্না শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য ওইনা অবতীর্ণ ওইখি; মতম অদুদা দান অমুক পীরম্মী; ………… মাদুগী তুংদগী অবতার লিশিং-লিশিংলক মহাক্না জগৎ অসিদা তৌখ্রে; তৌইওক্তুং মানা পোৎ অসিদি কৈদৌঙৈদস্থ পীখিত্রি; দ্বাপরদা শ্রীকৃষ্ণ অবতারগী মতমদস্থ দান তৌখিত্রি। অদুবু শ্রীশ্রীগৌরসুন্দরনা বিচার ইত্তৌ-তৌদনা, সাধারন মীচম কাওবদা, দান তৌখিদুনা পুম্নমকপু নীংবা থুংহল্লে।

উন্নতোজ্জ্বলরসাম্—অব্বাংবা অমত্তুং অরংবা রসকী মশক ওইবা। চারু-চারুবগা হেন্নহেন্না থুমগঙলকপা, থুম্বগী থম্বা লৈতবা মহাও। উন্নত—অথোইবা, অবাংবা, উ, যাদোমা বাংবা নত্তে। মাওোন্দগী হেন্না বাংবা অমা লৈত্রবা, থাইদগী হেন্না বাংবা। থাইদগী হেন্ন বাংবা রস অসিদি কমিনো? ব্রজেন্দ্র-নন্দন শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজদা ভাব মরি চৎপা ভক্তগী মফমদগী প্রেম রস (মহাও) লৌরি—(১) দাস্য (মনাই) (২) সখ্য (মরুপ), (৩) বাৎসল্য (মচাদা মুংশিবা), (৪) মধুর (থবাই-হকচাং কত্তুনা পোথাবা লৈতনা সেবা তৌজবা { কান্তা ভাবতা (মায়া পল্লবা চান্নবীগী বাথন্দা) সেবা তৌজবা। ব্রজদা শ্রীকৃষ্ণগী (১) মনাইনি হাঙনা থন্দুনা লোইননিবশিংগী মমিংদি রক্তক-পত্রকচিংবনি, (২) সখ্য (মরুপ) গী ভাব থন্দুনা লোইননিবশিংগী মমিংদি সুবল-মধুমঙ্গল নচিংবনি, (৩) বাৎসল্য (শ্রীকৃষ্ণবু মচা ওইনা নীংবা) গী লোইনবশিংগী মমিংদি নন্দ-যশোদানচিংবনি অমত্তুং (৪) মধুর ভাবকী (হকচাং-থবাই কৎতুনা সেবা তৌবা) লোইনবা শিংগী মমিংদি শ্রীরাধিকানচিংবী ব্রজগী ব্রজবীশিংনি। মখোইশিং অসি শ্রীকৃষ্ণগী নিত্য পরিকরনি (, অবেন্না লেংনবা

লোঈনবনি); অনাদি কালদগী (মায়াগী লৈবাক লৈত্রিউদগী, জগৎ শেমত্রিউগী) হৌনা শ্রীকৃষ্ণবু মানা মানা পাম্বা ভাবকী মতুং ইন্না প্রেমরস মহাও লোইহল্লী। মখোইশিং অসিগী মনুংদা কনা অমত্তদসু মশা মশাগী মুংঙাইনবা নীংবগী মনম্ কাওবা লৈতে; শ্রীকৃষ্ণবু মুংঙাইহন্নবগীদমক্তা নীংবা ঙাক্তনি; মরম অসিনা পুম্নমক অসিগী প্রেমদি তরু-তরুনা অশেংবা ঙাক্তনি (অমকৃপা মায়া য়াওদবা ঙাক্তনি)।

ভাব মরিগী লোঈনবশিং অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোইগীনি হাইনা নীংঙী। তৌইগুম্বনুং মখোইগী মুংশিবগী বৃদ্ধি অসিদা খেন্নবদি লৈ; মনাই (দাস্য) দগী সখ্যনা (মরুপ্পা), মরুপগী মমা মপানা (বাৎসল্যনা), বাৎসল্যদগী মধুরনা মুংশিবা হেল্লী। মুংশিবগী বৃদ্ধি খরা হেন্না কুংশিন্‌বা মফমদা, শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা তৌনীংবগী খোরাংবা লৈ অমসুং সেবাগী মরমদা য়ৈখাই-খিনগাই লাক্লবসু লানখোকপা ঙম্বগী শক্তি হেন্না লৈ। মানা মানা নীংজরিবা অহুগী মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণবু মনাইনা খুত্থম চল্লী।

রক্তক্-পত্রক্রচিংবশিংদি শ্রীকৃষ্ণগী মনাইনি হাইনা নীংঙী অমসুং শ্রীকৃষ্ণবু মখোইগী প্রভুনি হাইনা খাখন্ তৌই; খাখন্ অসিগী মতুং ইন্না মখোইনা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা হোৎনৈ; তৌইগুম্বনুং প্রভুনি হাইনা খাখন্ তৌরুবসিনা ইকাই খুম্নবগী—বৃদ্ধি লৈ: ইকাই খুম্নবগী বৃদ্ধি লৈবা অসিনা মখোইনা সেবা তৌবা মতমদা অকিবা-হঙ্গোইবা লৈ; করিগুম্বা অহাওবা পোৎ অমা চারিউগী মতমদা শ্রীকৃষ্ণদা পীজনীংবগী খাখন পোক্লরুবসু মাহু মখোইনা পীজবা ঙমজদে—প্রভুগী মচিন্দা মনাইগী লুখাক মতৌ করম্না ইন্নগনি?

তৌইগুম্বনুং মরুপকী ভাবতি মনাইগী ভাবতগী হেন্না মুংশিবা মরম্না ইকাইখুম্নবগী বৃদ্ধি লৈতে। মুংশিবা অহুকী মতিক হেনগৎলিবা মখৈ ইকাইখুম্নব-অচৌবা-মচা খেন্নবগী খাখন লৈতে, মাঙখি। সুবলনচিংবা মমান্নবশিংনা নীংবদি শ্রীকৃষ্ণনা মখোইদগী হেন্না চাউই হাইনা নীংদে—মখোইগা শ্রিকৃষ্ণগা মান্নৈ হাইনা নীংঙী; মরম অদুনা মখোইনা শ্রীকৃষ্ণগী মরেংবান্দা তোংদুনা শান্নমিন্নৈ অমসুং শ্রীকৃষ্ণবুসু মখোইগী মরেংবান্দা পুত্থনা চংলি; অদুগা করিগুম্বদসু করিগুম্বা উহৈ অমা চাবকৃপা মতমদা য়াম্না মহাও লৈ হাইনা পুক্লিংনা নীংবা মতমদা মখোইগী প্রাণ কাহ্নাইদা পীহৌদনা তোকৃপা ঙমদে, খুদক্ অদু মক্তদা লুখাক্ অদু কাহ্নাইগী মচিন্দা থন্নবা ইনবী; মতৌ অসিগুম্বা ব্যবহার অসিদা মখোইনা পুক্লিংদা চিংনবা খজিক্তসু ফাওদে। মখোইনা শ্রীকৃষ্ণগী মনাইগী ভাব ওইনসু সেবা তৌই অদুগা মরুপকী ভাব ওইনসু চপ্ মান্ননা খল্লী।

হঙ্গোইবা লৈতনা, ইকাইখুম্নবা লৈতবা মুংশিবগী ভাব অসি মরুপকী হৌনবনি। মমা-মপানা (বাৎসল্য), মরুপ্পা মুংশিনবদগী অমুক হেন্না মুংশি; মুংশিবা হেন্‌বা মরম অদুনা নন্দ, যশোদানচিংবনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোই মশামক্তা য়োক্‌চ-খাক্‌চরিবনি হাইনা খাখন

মতাং অসি য়োম্রকপদা থম্নগদবা হাকম অমা লাক্লে, দাস্য (মনাই), সখ্য (মরূপ) অমসুং বাৎসল্য (মচাদা হুংশিবা) অহুম অসিদি মরী-মতা থোক্লবগী ভাব অমা ইপক-পকই ; ইমুং-মনুং ওইবা মরী লৈনবগী মতুং ইন্না শ্রীকৃষ্ণসেবা তৌই ; মবী-মতা থোক্লবগী হৌনবা, অমগা অমগা সেবা তৌনবা অমসুং মর্য্যাদা ব্যবহার তৌনবা হিক্তোক্লদে, হিক্তোক্কে হাঈনস্ অহুম অসিনা খন্দে। শ্রীকৃষ্ণগা মনাই "রক্তক পত্রক" নচিংবগা মপু মনাই ওইবগী মনুংগী মরী (পরিকর) অমা থোকই ; মখোঈনা কৃষ্ণসেবা তৌরিবা অসি মবী থোক্লবা অসিগী মতুং ইন্দুনা তৌবনি। সখ্য, বাৎসল্য ভাবস্ মওং অসিগুম্বনি। ভাব অহুম অসিগী মরমদা অহানবদা শ্রীকৃষ্ণগা মবী থোক্লখরে অমসুং পরিকর ওইখবে, অতুগী তুংদা মরী থোক্লবা অতুগী মতুং ইন্দুনা সেবা তৌ নি। মরম অতুনা মখোঈনা সেবা তৌনাংবগী, খোরাংবগী মশক ওইবা মডান (আলোক-রশ্মি) অহু শেংনা ডানবা ঙমদে, লৈচিনগী মশক ওইবা সম্বন্ধনা (মরী পোক্লবনা) কুপ্পুনা ঙমখিংনা থক্তিক্লা মডাল্লে , মরম অসিনা মখোঈগী ভাবকী মশক ওইবা মিংশেন অহুমস্ থাম্না শেংনা লংবা ঙমদ্রে।

মধুর (শৃঙ্গার) ভাববা পারকর (নম্রুতনবা) ওইবা শ্রীরাধিকানচিংবা গোপীগী ভাবতি অতোপ্পা মওং অমনি। প্রকট-লীলাদা (হকোং ফোংনা দ্বাপর যুগতা লীলা শাম্নবগী মতমদা) শ্রীকৃষ্ণগা নুপীগা কান্দমমতা থোক্লবা লৈতে, মহাক্লা হাঈজবদা মখোঈনা শ্রীকৃষ্ণসেবাগীদমক কোঈচেংচেন্না হাঈবদি সেবা পামজবগী খোরাংবনা থাঙবা ঙমদে। মখোঈনা মশাগী অস্নম্না সেবা পামজবা অসি হৌনশানি, মসি মখোঈগী প্রেমগী অথম্নবনি। মখোঈগী প্রেমগী খোরাংবা অসি কয়ামুক য়াম্না কনবগে হাঈবনা বেদধর্ম, কুলধর্ম শাস্ত্র নীতি, অহল নহা কনি অমতা থাম্বা ঙমদে, হঙ্গোইহনবা ঙমদে, শাস্ত্র নীতি শাহল্লানগী থম্মগী ভাব অহু খোরাংবগী ঈচন্দা তাওথ-খিহুনা অবাপ অবাম্না সেবাক থোৌথ, থম্মা থনা নীতিনিয়ম মখোঈনা থঙ্গবা লৈতে, পূম্নমক অসিবু লাক্তোক্লুনা গোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমগী নমুদনা লোংথখবম্মী। মখোঈনা কৃষ্ণ সেবা তৌনাংবগী, খোরাংবগী মশক ওইবা অকনবা (অবাকপা) মডান অহু করিমতা কনাগুম্বনা অপনবা পীবা (যেখাযবা) ঙমদে. মরম অতুনা মখোয়গী ভাবগী মশক ওইবা মিংশেন অহু মতম পূম্নমক্তা মফম থুদিংদা ঙান্দুনতা লহুনতা লৈ, অতুনা ভাব পূম্নমক্তগী থোইদোক হেন্দোক্লা লংঙি। কৃষ্ণ-সেবা পামজবনা মখোঈনা কৃষ্ণগী চাম্নবী ওইবা হাশক্লুনা য়াথি ; মখোঈগী মফমদদি সেবানা অহানবদা পামজবনি, মতুংদা মবী থোকচবনি ; মথক্কী ভাব অহুম অহুদি মরী থোক্লবী মতুংদা সেবা তৌবনি ; তৌইগুম্বসুং ব্রজগী ইবেম্মশিংগীদি সেবাগী মতুংইন্না মরী (সম্বন্ধ) থোকচবনি। মরম অসিনা মখোঈগী ভাব অসিনা ভাব পূম্নমক্তগী হেন্না বাংঙি অমসুং হেনা লংঙি।

অসিগী তুংদা 'রস'কী মরমদা খরা নৈনফম্ থোকই। মহাও তংবা য়াবা পোৎপু রস কৌই ; রস্যতে আস্বদ্যতে ইতি রসঃ। খরাইনা মহাও তংবা য়াবা পোৎপু রস কৌরবস্থ পোৎ অদু মহাও তংবদা (চাবদা) অঙকপা ফংনা মহাও লৈবা মাহুতদা রস শব্দ শিজিন্নে। শঙ্গোম অফগ্বগা মশাগী মহাও অমা লৈ ; তৌইগুম্বনুং মাহুগা চিনিগা তিন্নরগা চারবদি অঙকপা ফংনা মহাও তেনগৎলী (য়াম্না হাওই), মরমদি, পুম্নমক অসি মুংঙাইবগী মশক ওইবা হ্লাদিনী-শক্তিগী মওং মতৌনি। মনাই, মরুপচিংবগী ভাবপু অচেৎপা ভাব স্থায়ী ভাব কৌই। অসুম ওইবা অচেৎপা ভাব পুম্নমক অসিগা বিভাব মুংশিবা হেম্বিল্লকপা অনুভাব, সাত্বিক অমস্যুং ব্যভিচারী ভাব পুম্নমক্কা তিন্নরগা হাঙ্গফম খঙদবা অঙকপগী মশক ওইবা মহাও পোক্লকই ; মতম অদুদা মনাইনচিংবা কৃষ্ণভক্তিনা রসগুম্না ওল্লকই। দাস্য, সখ্যনচিংবা অচেৎপা ভাবনা রস ওইনা ওল্লকপা মতমদা মথোঙ্গী অঙকপা মহাও অদু অতোপ-অতোপ্পা মওং ওইরকই চিনি অঙাংবা, চিনি অঙৌবা, মিছবিনচিংবা পুম্নমক্সি অথুপ্পা চাক্লনি ; তৌইগুম্বনুং মথোঙ্গী অথুপ্পা অদুদি থেন্নে। দাস্য-সখ্যনচিংবা রসগী মহাওনা থেন্নবস্থ অদুগুম্বনি। মনাইগী রসতগী মরুপকী রসনা, মরুপকী রসতগী মমা-মপাগী রসনা অমস্যুং মমা-মপাগী রসতগী মধুর-রসনা অঙকপা ফংনা মহাও লৈবা হেল্লী। মরম অসিনা মহাও লৌবগী (চাবগী) হিসাবতা মধুর রসনা পুমহেন হেল্লী, পুম্নমক্কী য়াম্না রাংবা হেল্লী।

ভক্তি-রস চাবগা ভক্তত মুংঙাংজৈ, কৃষ্ণনা মুংঙাংজৈ ; কৃষ্ণনা ...... মুংঙাই-মনপ্রতুনা ভক্তগী প্রেমগী মথা পোল্লী। ভক্তগী মুংঙাইবা রস অদুনা— কৃষ্ণবু খুদুম চল্লী। ২।২৩।২৬॥

মতৌ অসুম তেতুনা মধুর রস কা মনুং চনবী শ্রীরাধিকা অসিনচিংবীগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণনা প্রেমগী মথা পোনবা অসি পুম্নমক্কী হেল্লা। অসুম ওইবা প্রেমগী মথা পোনবা অসি অদুক্কী মতিক কনখ্রে, শ্রীকৃষ্ণ মশাক্না শ্রীরাধিকাগী মফমদা প্রেমগী লমন, শিংবা ঙম্নরোই হাঙ্গনা মাখ। "ন পারয়েহহং নিরবদ্য—সংযুজাং স্ব সাধুকৃত্যং বিবুধায়ুষাপি বঃ। শ্রীভাঃ ১০/৩২/২২।" মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু খুদুম চম্নবগী পাঙ্গলস্থ মধুর-রসনা খরাইদগী মরাংলে। ইমুং-মনুং লোঙ্গনবশিংদগী প্রেম-রস চুপ্পদা (চাবদা) শ্রীকৃষ্ণনা য়াম্না মুংঙাইজৈ, মাহুদগী অমুক............ ব্রজগী নিংথিজবীনা শ্রীকৃষ্ণদা প্রেম-রস পীজবদা মুংঙাইবা পোকপা অদুনা শরুক য়াম্না হেল্লী। শ্রীকৃষ্ণ মশানা হাঙ্গখি, "রাধাগা শান্নবদা ঐনা মুংঙাইবদগী রাধানা মুংঙাইবনা শুণ চামা হেল্লী মাহুগী ।। ১। ৪। ২১৪ ।।" ...."রাধানা ঐঙোন্দগী ফংবা মুংঙাইবা অদু ঐনা খোরাংহুনবা লৈ খঙনীংবনা মাহু॥ য়াম্না চেকশিন্না হোৎনজে ফংবা ঙমদে ঐনা। মাধুর্য্য অদুগী মনম পামসিল্লকই হেন্না॥ ১। ৪। ২১৬—১৭॥"

তৌই, মখোঙ্গীনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোঙ্গীদগী হেন্না পিকই অমসুং মখোঙ্গীনা শ্রীকৃষ্ণদগী হেন্না চাওই হায়গীনা রাখন তৌই ; মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মঙ্গলগীদমক করি কবিগুম্না মতমদা মখোঙ্গীনা চৈদুনা লাউদুনা রাবকই।

বাৎসল্য ভাবতা—(মমা-মপাগী ভাবতা) মনাইনা সেবা তৌবগী ভাব চংথি মরুপ ওইবগী তুক্কচবা লৈতবা ভাবস্থ চংভি অমসুং মু শিবা প্রেম জিন শিবা মরম্না যোক্‌পীবি, থাক্‌পীরি হায়গীনা রাখন তৌই ঐনা পোকচবনি হায়গীনা খল্লী, শুদ্ধন্দা পুন বা ঙম্মী, অদুম্মদি ওইবগা সেবাদা হঙ্গেইবা অমদি লৈ। মধুর ভাব্‌তা— কান্তা ভাব্‌তা (ঐগী থরাইগী ইবুংঙোগী ভাবতা) ইশা অসি কৎথোক্কনা সেবা তৌই। মশা কথোক্কনা সেবা তৌবদা হঙ্গোইবা লৈতে। মরম অদুনা মনাইদগী, মরুপগী, মমা-মপাদগী বাৎসল্যদগী মধুর ভাবনা মুংশিনা হেল্লী, মুংশিবা হেন্‌বা মবম্না শ্রীকৃষ্ণনসু অতৈদগী হেনজক্না মথা পোল্লী।

মতৌ অসুম তৌদুনা মনাইদগী মরুপ, মরুপগী বাৎসল্যনা, বাৎসল্যদগী মধুর ভাবনা রাবা হেল্লী থরাইবু শেম্নরিবা মহাক অদুবু থরাইগী মপা কৌই। জগৎ অসিদা লৈরিবা থরাই পাননা পুম্নমক্না ইবুংঙো মাঙোন্দা থরাই কথোকনা মুংশিনা সেবা তৌকম থোকপনি। ব্রজ গোপীশিনা মথরাই কৎতুনা কৃষ্ণদা সেবা তৌরিবা অসিদি ঐখোঙ্গীবু তঙ্গীলনি. পৌরন অসিদা মায়াগী অংকপা রাখন মচেৎ অমত্তা যাওদে। মপাগা মচাগা অনীগী মরক্তা মীওইগী পাদা অংকপা মায়াগী রাখন পুংশিন্দে। (১) শুনার্বিন্দদগী আকাশ পোকই, আকাশনা গোঙ্গেন (শব্দ) গী গুণ খংজৌ, আকাশকী গুণ খোঙ্গেম্ম, নাকোংদা লৈ, আকাশনচংবগী গুণ, মতুং-মতুংগী ভুত্তা ভুঙজৌ, আকাশতগী মুংশিৎ পোকই। (২) মুংশিনবী হেন্দি শোকপা খংলনি, মুংশিংনা উনশা থইদুনা শোকপা খংলনি, শোকপাদা লৈ, মুংশিংগী লৈন পোকই। মুংশিংদা খোঙ্গেন অহনবগা শোকপা খঙবগী গুণগা অনি তুংথদুনা লৈ। (৩) মৈদা মথান মশক খংবগী গুণগা (রূপ গুণ বিশিষ্ট) মুংশিংকী গুণগা লৈ। মরম অদুনা মৈদা খোঙ্গেন, শোকপা, মশক লেপ্পা (রূপ) গুণ অহুম লৈ। মৈগী গুণ মশক (রূপ) শঙ্খবর্ণ, অশাংবর্ণ, মৈদা লৈ। মৈনা মিৎ থইদুনা রূপকী (শকফমগী) গুণ খংজৌ। মৈদগী ঈশং পোকই। (৪) ঈশংনা (রস) মহাও খংবা ঙমই, গুণ অসি লৈয়েংদা লৈ। ঈশংদা মহাও খঙবগী গুণগা মৈগী গুণগা লৈ, মরম অদুনা ঈশিংদা খোঙ্গেন, শোকপা খঙবা, শকফম (রূপ), মহাও (রস) গুণ মরি লৈ, ঈশিংদগী লৈবাক পোকই। (৫) পৃথিবীনা (লৈবাক্না) নাতোন থইদুনা মনম খঙবগী গুণ লৈ, মরম অদুনা পৃথিবীদা মনম খঙবগী গুণগা ঈশিংগী গুণগা লৈ হায়বদি পৃথিবীদা — ১। মনম খঙবা, ২। মহাও, ৩। শক, ৪। পোকপা, খোঙ্গেন ৫। গুণ মঙা অসি লৈ। মথক,-মথক্কী গুণশিং অদু মখাদা হায়গীবদি মতুংগী ইকোন-

কোনবদা তুঙই। মতৌ অসুম তৌদুনা মধুরদা ভাব পুম্নমক তুংঙি। মরম অসিনা রস হেন্না লৈবা মরম্না অঙকপগী মশক ওই। মধুরগী অতোপ্পা মমিং অমদি শৃঙ্গার রস (লংনা মুংশিবা অমকপা মায়া য়াওদবা) কৌই। শ্রীকৃষ্ণ মশামক্না হাঙ্গৈরম্মী, "রস পুম্নমক্কী শৃঙ্গার রসনা মুংশিবা ফজবা হেন্নী মরম অদুনা মধুর ভাব অসিনা রসরাজ শ্রীকৃষ্ণ ফংননবগী উপায়নি অমসুং মসিতনা মপুং ফাবা সেবা ফংবা ঙম্মী। মরম পুম্নমক অসিনা মধুর রসনা রস পুম্নমক্কী হেন্না রাংঙি হাঙ্গৈরিবনি; অমসুং মঙ্গলাচরণগী মরিশুবা শ্লোকতা "উন্নত রস" শব্দ হায়রুরিবা অসি মধুর রসপু উদুনা হায়রুরিবনি। হৌজিক 'উজ্জ্বল' শব্দগী মরমদা থজিক্কং থন্নসি। উজ্জ্বলগী অর্থদি অরংবা, মঙানগন্না, নিক্-নিকলাওনা ফজবা। শ্লোকতা য়াওরিবা উন্নত-শব্দগী মতৌগুম্না উজ্জ্বলগী অর্থ তৌবা ঙারে।

খ্বাইদগী হেন্না লংবা রস অসি করিনো? রস—মায়াগী রাখনগী লম্নি লাম্থোকথিদুনা অঙকপগী তুংনফম ওইরবা মশক অদু, সত্ত্বগী অরংবা থম্মোইনা থকপা অদুবু রস কৌই। য়াম্না শেংবা অমসুং অরূবা (মনুং-মপান ফাওনা উবা ফংবা) পোৎ নত্তনা অরংবা ওইবা য়াদে। ব্রজগী দাস্য (মনাই), সখ্য (মরূপ) নচিংবা ভাব মরি অসি য়াম্না ফজে, শেংঙি, লুই; মরমদি মরি অদুগী মনুংদা ভাব অমা ফাওবা মশাগী মুংঙাইনবা রাখন তৌবা য়াওদে, ভাব খুদিংমক কৃষ্ণগী মুংঙাইনবা হোৎনবদা থরাই য়াওবা ঙাক্তনি। তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা তরু-তরুবা পোৎ অমতনা মশা মতোমতনা অরংবা অদু ফুদোকপা (ফোংদোকপা) ঙমদে; অমোৎপা পক্রবা অরূবা মিংশেন্দা মুমিৎকী মঙান তারগা লংঙি; মঙান্না তাদবা য়ৈদবা মিংশেনগী শরুক মখৈদি লংদে; মঙান য়ৈবা শরুক মখৈদা লংবনি; মঙান অদুনা য়াক্তদুনা মশেন-মরাং মমি ওইনা তারবদি অরংবদি অরংবা অদুসু য়াম্না লংদে খজিক্তা মরুংঙি।

ব্রজগী মনাই মরূপনচিংবা ভাবসু নোংতবা অশেংবা মিংশেনগা চাংদম্নবা য়াই; ভাবকী মিংশেন অদুদা শ্রীকৃষ্ণবু মুংশিদুনা সেবা তৌনিংবগী খোৎরাংবগী মশক ওইবা মঙান অদুনা তাবা মতমদা ভাবকী মিংশেন অদু লংঙি; ব্রজগী ইমুং-মনুংগী মী খুদিংমক নিতিগী শ্রীকৃষ্ণবু সেবা তৌনিংবগী খোৎরাংবা ঙাক্তনি; মরম অদুনা মখোয়গী ভাবকী মিংশেন অদুসু নিতিগী লংদুনতা লৈ। তৌইগুম্বসুং মুংশিবগী মনুংশি থেন্নবদি লৈবনিনা সেবাগী খোৎরাংবসু খেন্নৈ; অদুনা ভাবকী মিংশেনগী অরংবসু খেন্নৈ। মতৌ অসুম তৌদুনা মনাইগী ভাবতগী সখ্যগী (মরূপকী) ভাবনা লংবা থর হেন্নী; মরূপতুগী মমা-মপাগী ভাবনা থরা লংবা হেন্নী অমসুং মমা-মপাগী ভাবতগী মধুর ভাবনা থরা লংবা হেন্নী। মরম পুম্নমক অসিনা মধুর ভাবনা খ্বাই পুম্নমক্কী লংবা পুমহেন হেন্নী।

(শ্রীকৃষ্ণগী হ্লাদিনী শক্তি হাঈবদি মুংঙাইবা পীবা শক্তি কৌই)। অস্মাৎ (মরম অসিদগী শ্রীরাধাদি শ্রীকৃষ্ণগী হ্লাদিনী শক্তিনি হাঈদুনা) তৌ। (শ্রীরাধা অমসুং শ্রীকৃষ্ণ অনিনা) একাত্মানৌ (আত্মা অমত্তা) অপি (ওইদুনসু) ভুবি (শ্রীবৃন্দাবন্দা) পুরা (অনাদি কালদগী লৈশেমত্রিভৈদগী) দেহভেদং (হকচাং তোঙান-তোংঙান) গতৌ লৈরম্মী। তদ্দ্বয়ং অনি অদুনা শ্রীরাধ-শ্রীকৃষ্ণনা (ঐকং) অমত্তং ওইনা (আপ্তং) পুন্সিল্লরে (রাধা-ভাব-দ্যুতি-সুবলিতং (শ্রীরাধাগী পুকচেম্না কুচুনে অনিনা তিল্লবা অধনা (প্রকটং হৌজিক অসিদা অবতার তৌরিবা) চৈতন্যাখ্যং (শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য কৌরবা) কৃষ্ণস্বরূপং (শ্রীকৃষ্ণগী মশক ওইবা) শ্রীগৌরাঙ্গবু নৌমি (ঐনা খুরুমজরি)।

অনুবাদ—শ্রীরাধিকা অসি, শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম-মূর্তিগী মশক্কি। কৃষ্ণপ্রেমগী মচিগী মশক মহাভাবকী মশকনি ; মরম অসিনা শ্রীরাধা অসি শ্রীকৃষ্ণগী হ্লাদিনী শক্তিনি। অদুনা মখোয় অনি আত্মা অমত্তনি; তৌইগুমদুং আত্মা অমত্তা ওইরবসু শ্রীরাধা-কৃষ্ণনা লৈশেম-ত্রিভৈদগী শ্রীবৃন্দাবন্দা হকচাং তোঙান-তোঙান্দুনা লৈ। তৌজিক্কা কলিযুগ অসিদদি, হকচাং অনি ওইরম্বদুনা হকচাং অমতং ওইদুনা শ্রীচৈতন্য কৌদুনা মী খঙনা অবতার তৌরে। অদুম ওইবা রাধাগী পুকচেন-কুচুনা তিল্লবা কৃষ্ণগী মশক ওইবা শ্রীচৈতন্যবু ঐনা খুরুমজরি। ৫ ॥ ৩। কৃষ্ণ ঐবু শ্রীরাধিকানা মহাক্কী থবাইগী মরুংঙোনি হাঈনা নীংবদগী মুংঙাইজরিবা অদুনা কবম তৌনা বযা যান্না মুংঙাইবিগনা ? মাদনা মপঙ্গী, ঐদি খঙদে, মরম অসিনা মাসি খঙনবগীদমক মহাক্কী (রাধাগী) মশক অদু ঐনা ওইনীঙ্গী।

মথক্তা হাঈপ্রিবা মরম অদুম অসি পাম্বদা। (খঙনীংবদগী) শচীগী গর্ভ সমুদ্রদা হরিনা পোকখরে।

শ্লোক অসিদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মরু ওইবা অবতারগী মরম হাঈরে। মরম অসিনা মাসিসু পোংশক লেপ্না মঙ্গলাচরণগী মমুং চল্লী। ৫ শুবা অমসুং ৬ শুবা শ্লোক অনিসিদা অবতারগী মরু অমসুং অবতার ওইরকপগী মশক-মওং হাঈবে। শ্লোক ৫/৬ অসি পোংশক লেপ্না মঙ্গালচরণগী মমুং চল্লী।

শ্লোক তরুক্তা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী তত্ত্ব হাঈরে। মতুংগী শ্লোক মঙাদা নিত্যানন্দগী তত্ত্ব হায়জরি। শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য অমসুং শ্রীনিত্যানন্দ "অনিনা স্বরূপ (মশক) অমত্তনি—হকচাং তোংঙানবতনি" হাঈদুনা "মচিন-মনাও অনি মশা অমতনি ফোংদোকপা ফাওরকপা মায়ৈ।" হাঈদুনা ইষ্টদেব খুরুমগী মঙ্গলাচরণ্ডা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগা লোঈননা শ্রীনিত্যানন্দ চন্দ্রগী তত্ত্বসু ফোংদোকচরি।

মাধুর্য্য—হকচাংদা ফজবা খিবিক্লা শীংথাবা ঙমদনা তুংদুনা লৈবা অদুবু মাধুর্য্য কৌই। অমদি জীব পুম্নমক্কী পুক্নিং চুবা অদুবু মাধুর্য্য কৌই। তৌইগুমদুং শ্রীরাধাগা

শ্রীকৃষ্ণগা অমত্তা ওইববস্থু লীলাবস চুপ্পবগীদমক লৈশেমজিংগৈদগী ইবুংঙো-ইবেম্মনা হকচাং অনি থোক্কনা থাইদোকই। মরমদি, হকচাং অমত্তনা লীলা শান্নবা যাদে। লীলা শান্নবা য়াননবগীদমক শ্রীরাধাস্থু মশাদগী গোপী মশীং য়াম্না পুথোক্কনা লৈশেমজিংগৈদগী শ্রীকৃষ্ণগী নিত্যলীলাগী থাম শ্রীগোলোক্তা শ্রীকৃষ্ণবু অঙকপা রস চুপ্‌হল্লী। মাসিনা শ্রীরাধা-কৃষ্ণগী অমস্তুং মথোযগী লীলা অরেপ্পনি অমস্তুং লৈশেমজিংগৈদগী (অনাদিকালদগী) শান্নরবনি হাঙ্গৈবা থঙনবে।

অরবা রস অমগা লৈবি মাতুদি আদিগী ৪ শুবা পরিচ্ছেদ (মতাং)দা ফোংদোক্লি, শ্রীরাধাগী ভাব অমস্তুং মঙান ওইগনি হাঙ্গৈনা বাশকপ্তবদি রসিক-শেখর শ্রীকৃষ্ণনা রস মহাও লৌবা (রস চুপ্পা) ঙমদে, অস্থুম ওইবা অরবা রস অসি মহাও লৌগে (চুপকে) হাঙ্গৈবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা, শ্রীরাধাগী ভাব অমস্তুং মঙান কুচু ওইগনি হাঙ্গৈনা বাশকনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইনা ফোংদোকই। কলিযুগ অসিদা শ্রীনবদ্বীপ্তা অবতীর্ণ ওইরিবসি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যনি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মশক অসিস্থু নিত্যনি (অরেপ্পনি) লৈশেমজিংগৈদগী হৌনা অনাদি কালদগী লৈরবনি। হন্দক্কী কনা অসিদা নবদ্বীপ্তা ফোংদোক্লে হাঙ্গৈবতনি। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যস্থু শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অতৈ অতোপ্পা অমা নত্তে, অদুম্মদি ওইরগা শ্রীকৃষ্ণগী মশক্তা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মশক্তা থেন্নবা হাঙ্গৈববু, ব্রজগী শ্রীকৃষ্ণদি শ্রীরাধাগী ভাব মাদনাখ্য মহাভাব লৈতে, শ্রীরাধাগী উজ্জ্বল অরংবা মঙানস্থু লৈতে, নবদ্বীপকী শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মশক্তি শ্রীরাধাগী মাদনাখ্য মহাভাবস্থু লৈ, অঙৌবা কুচু মঙানস্থু লৈ, মসিনা অদুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু রাধা-ভাব দ্যুতি সুবলিত কৃষ্ণ হাঙ্গৈরিবনি। শ্রীকৃষ্ণনা, মশাগী পুক্লিংবু (মনবু) শ্রীরাধাগী ভাবত্তা (রাথন্দা) থন্দুনা অমস্তুং মশাগী শ্যাম-কান্তি (শংবান্নবা কচু মঙান) গী মতুংদা শ্রীরাধাগী অঙৌবা কুচু মঙান লৌদুনা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য ওইনা ফোংদোক্লিবনি। কান্তিগী (মঙানগী) লৈফমদি হকচাংগী মপান্দনি, অদুনা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী হকচাং মঙান, মপান্দা ঙাল্লিবা অদুগী মচু অদু (মঙান অদু) ঙৌই, মহাক্কী মশাগী মনুংদা অঙৌবা মচু লৈতে— মনুংদদি ব্রজদা মহাক্কা ওইরম্বা অদুনি (পুক্লিং নতনা)। মরম অসিনা মহাক্পু মনুংদা অমুবা কৃষ্ণ, মপান্দা গৌর (অঙৌবা) হাঙ্গৈ। মুন্না থঙলিগে হাঙ্গৈববদি ১।৪।৫০ টীকাদা যেংবিয়ু। ২১।

মথক্কী শ্লোক্তা হাঙ্গৈখ্রে, শচীনন্দন-হরি পুরট সুন্দরদ্যুতিকদম্ব সন্দীপিতঃ, শ্লোক অসিদা মহাক্কী পুরট—সুন্দর—দ্যুতি নি মরম হাঙ্গৈব— গৌর অঙৌবা শ্রীরাধাগী অঙৌবা কান্তি (কুচু) ওইগনি হাঙ্গৈনা বাশকখ্রবনা মহাক্কী মঙান সনাগী মঙান্দগী হেন্না নাংথিজে।

শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিদি বাথনগী রাংমদা লৈবনি, অঙকপনি, মহাক্কা মতম অমত্তদা মক্ষম অযাম্বদা মশক হোংদেক্কনা শান্নবা ঙম্মী। হ্লাদিনী-শক্তি শ্রীরাধাগা লোইননা হকচাং অমত্তা ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য ওইদুনা নবদ্বীপ্তা শান্নে, অমসুং শ্রীরাধাদগী অতোপ্পা

মনাই-মরুপচিংবা ভাবকী পরিকরশিংগী মুংঙাইবা অমসুং লৌননবগীদমক (চুপ্পবগীদমক) শ্রীকৃষ্ণনা নীংদে (লালসা পোক্লে)। তৌইগুম্বসুং মধুর ভাবকী পরিকর (মপুং) ওইবা শ্রীরাধানা মুংঙাইবা অমুবুদি, মহাও লৌননবগীদমক (তংবগীদমক) শ্রীকৃষ্ণনা থঙ্দুনন্তা লৈ। মাসিদগীসু মধুর রস অসি অঙকপনি হাঙ্গবা থঙবা ঙম্মী। অসুম ওইবা য়াম্না লাংলবা, য়াম্না য়াংলবা মধুর-রসকী মশক ওইবা ভক্তিসম্পত্তিবু কলিগী পাঙত্রবা জীবদা দান তৌবিগে হাঙ্গবগীদমক শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অবতীর্ণ তৌরিবনি। অসুম ওইবা য়াম্না তাঙলবা পোৎ অসি দ্বাপর যুগতা শ্রীকৃষ্ণনা কনাদসু পীরমদে, অমুগা কলি-যুগ অসিদদি "অসুম ওইবা প্রেম অসি শ্রীচৈতন্যনা মফম খুদিংদা পীবিরম্মী"। ১।৮।১৭॥ মাসিদগী শ্রীচৈতন্যবু থোজালহৈ হাঙ্গনা থঙনৈ।

স্বভক্তি-শ্রিয়ম—মশাগী ওইবা ভক্তিসম্পত্তি। শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা চংগদবা ভক্তি অমুবু শ্রীকৃষ্ণগা মরীলৈনবা ভক্তি (স্বভক্তি) কৌই, অমুম ওইবা ভক্তি সম্পত্তি অমু শ্রীমান্ মহাপ্রভুনা জীবদা পীবিবম্মী। ভক্তিবু সম্পত্তি হাঙ্গকবগী মরমদি অসিনি। সম্পত্তিনা মী অমুগী অপাম্বা পোৎ লৈহনা পৈশিনহলবা ঙম্মা, মবম অসিদগী সম্পত্তিবু কাম্নবিবনি। জীবনা মরম খুদিংমক্তা শ্রীকৃষ্ণবু সেবা তৌজনা পেল্হনবা ঙমনবা হোৎনগদবনি, অমুগা শ্রীকৃষ্ণগা লোঈনমনা হবুংডো মাগী চাংদম্নংঙাই লৈতবা মাধুর্য্য চুপ্পনা জীবগী থাদোকপা যাত্রবা তৌগদবা মথৌনি অমসুং নীংবা থুংহনবা ঙম্বা পোৎশক্তি। অসিগুম্বা নীংবা থুংহনবা ঙম্বা পোৎশক অসি ফংনবগী উপায়দি ভক্তিনি, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা লৈবা ভক্তিবু ভক্তগী সম্পত্তিনি হাঙ্গনৈ। শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপা শক্তি হ্লাদিনীগী মওংবু ভক্তি কৌই। মুখিৎনা মিচং-মিথাই নাইদনা পুম্নমক্তা মঙান্ পীবি, তৌইগুম্বসুং মফমগী মতুংইন্না মঙান অমসুং মশক হোংদোকপা য়াওই; মতৌ অসিগুমনা মিচং-মিথাই নাইদবা ভগবানসু মহাক্না স্বরূপা-শক্তি-হ্লাদিনীবু মাইকৈ মবিমঙা শন্দোকই, তৌইগুম্বসুং ভক্তগী থমোইহতনা মামু লৌবা ঙম্মী। মরম অসিনা স্বরূপা-শক্তি-হ্লাদিনীদ ভক্তগী থমোইদদা থাজিনবি, অতৈদদি থাজিনবিদে। ভক্তগী মশক ওইবা তুংনফমদা শন্দোকপিমনা স্বরূপ শক্তি অমু ভক্তগী মশক ওইগ্রে অমসুং ভক্তবু ভগবান থঙনবগী মতিক চাহল্লী। মুখিৎ থোরকপদা অমম্বা মাঙখিবগুম্না স্বরূপ-শক্তিনা থমোইদা ভাল্লরবদা ভক্তগী অবাবা পুম্নমক মাঙগ্রে। ভক্ত পুম্নমক্তগী অথোইবী রাধারাণীগী ভাব ওইগে হাঙ্গনা নীংখিবা মরম্না শ্রীগোবিন্দনা মশাগী মাধুর্য্য চুপ্পা ঙমনবগী উপায়গী মশক ওইবা ভক্তিবু মশাগী সম্পত্তি ওইনা লৌখি, মবম অমুনা ভক্তিগী বিষয় (মপু, মরম) ওইরবসু শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য ওইমনা মহাক্না ভক্তিগী আশ্রয় (চংজফম) ওইররে, ভক্তি-সম্পত্তিগী মপু ওইররে। ভক্তি-সম্পত্তিগী মপু ওইবদা মহাক্না উবা ফংলে, মপান

নাইত্রবা সম্পত্তিগী, মরিক অমতংবু ফংজরবদি জীবগী মপান নাইদবা অৱাবহু কোকপা তারে, অমসুং অপেনবা নাইদবা মুংঙাইনীংবা রাখন অহুসু অপেনবা ফংলগনি। মরম অসিদগী য়াম্না থোজাল হৈরবা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যনা পাপী-চণ্ডাল খাক্তনা অহুম ওইবা ভক্তি-সম্পত্তি ·········· পীবিগে হাঙ্গৈবগীদমক নবদ্বীপ্তা অবতীর্ণ তৌবনি—অমসুং য়াম্না তাংলবা ভক্তি-সম্পত্তি দান তৌবিখি। মতৌ অসিদা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যবু য়াম্না থোজাল হৈ হাঙ্গৈরোইদবা কনাসু য়াওদে।

জীবদি মহৌশানা শ্রীকৃষ্ণগী মনাইনি। মনাইনা হৌনবদি তুংইনবী ওইনা সেবা তৌবনা অচুম্বনি; খুশী ওইনা নীংতম্না মনাইনা সেবা তৌবা হৌনদে। শ্রীরাধিকা-নচিংবী ব্রজগী ইবেম্মশিংদি নীংতম্না শ্রীকৃষ্ণ-সেবা তৌই; মতৌ অসুম্না সেবা তৌবা অসি জীবগী অধিকার লৈতে। অহুনা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী ব্রজগী ইবেম্মশিংগী তুং ইগ্গহুনা মখোঙ্গী তুংইনবী মনাই ওইনা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা হোৎনহুনা লীলাগী মতুং ইন্না জীবনা শ্রীকৃষ্ণ-সেবা তৌবা য়াই; মতৌ অসুম্না তুংইন্দুনা সেবা তৌবা ······· উন্নতা উজ্জ্বল রস (অৱাংবা-অরংবা-রস) কী মশক ওইবা প্রেম-ভক্তি অসি শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যনা জীবদা পীবিরম্মী। অসুম্না তুংইন্দুনা সেবা তৌবদা মুংঙাইবা ফংবা অসিগা মান্ননা চাংদমনীংঙাই লৈতে। শ্রীকৃষ্ণগা ব্রজগী ইবেম্মশিংগা লোইনহুনা শান্নবদা মুংঙাইবা অহুদগী সেবাগী মুংঙাইবনা শরুক য়াম্না হেন্নী। শ্লোক অসিদা লাইরিক ইরিবা গোস্বামীগী আশীর্ব্বাদগী মর্ম্মদি অসুম্না ওইবম্বা য়াই হাঙ্গৈনা নাংঙ্গৈ :— কৃষ্ণচৈতন্যনা পুম্নাক্কা থমোইদা ফাওবিহুনা (লৈবিহুনা) ব্রজগী ইবেম্মশিংগী (গোপীশিংগী) মতুং ইগ্গহুনা শ্রীকৃষ্ণ-সেবা ফংজনবগীদমক জীব পুম্নমকপু খোৱাংহনবিয়ু।

আদি-লীলাগী অহুমশুবা পরিচ্ছেদ (মতাং) দা লাইরিক ইরিবা গোস্বামীনা শ্লোক অসিগী মরুওইবা রা-মচং ফোংদোক্লি। অনর্পিতচরী ভক্তি-সম্পত্তি দান পীবিগে হায়বগীদমক শচীনন্দন্না অবতীর্ণ ওই; রা অসি হাঙ্গৈবদা, শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী অবতারগী মরমসু শ্লোক অসিদা হাঙ্গৈরে, তৌইগুম্বসুং হাঙ্গৈরিবা মরম অসিনদি অবতারগী মরু ওইবা মরম নত্তে, শন্নপা হাঙ্গৈবতনি; মরু ওইবদি— ১। ৪। ৫ পয়ারদা ইজররক্কনি।

রাধা কৃষ্ণপ্রণয় বিকৃতি হ্লাদিনী শক্তি রস্মা
দেকাত্মানা বপি ভুবি পুরা দেহভেদং গতৌ তৌ।
চৈতন্যাখ্যং প্রকট মধুনা তদ্দয়ং চৈক্যমাপ্তং
রাধাভাবদ্যুতি সুবলিতং নৌমি কৃষ্ণ স্বরূপম্॥ ৫

শ্লো : ৫। অন্বয়—রাধা (শ্রীরাধিকানা) কৃষ্ণপ্রণয়বিকৃতি: (ভবতি) (শ্রীকৃষ্ণ প্রেম-মূর্ত্তিগী মশক ওই); (অতঃ সা) (মরম অসিনা মহাক) হ্লাদিনী শক্তি:

শ্রীরাধায়াঃ প্রনয় মহিমা কীদৃশো বান য়েবাস্বাদ্যো যেনাদ্ভুতমধুরিমা কীদৃশো বা মদীয়ঃ।
সৌখ্যং চাস্যা মদনুভবতঃ কীদৃশং বেতি লোভাত্তদ্ভাবাঢ্যঃ সমজনি শচীগর্ভসিন্ধৌ হরীন্দুঃ॥ ৬

গৌর-কৃপা-টীকা

হকচাং শ্রীকৃষ্ণ ওইরগা ব্রজদা লৈ। ব্রজদা অমসুং নবদ্বীপ্তা মশক অনিপুথোক্তুনা মহাক্ লৈশেমত্রিঙৈদগী নিত্য লীলা শান্নতুনা লৈবি। নবদ্বীপ্তা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইনা তাবত্তাব তৌরগস্থ শ্রীবৃন্দ বন্দা শ্রীরাধা-গোবিন্দ অসিনা সখীশিংগা লোইনতুনা শানবা লেপ্পা লৈতে। লীলা অসি শুলয চংত্রবা লীলানি।

শ্লো। ৬। অন্বয়। শ্রীরাধায়া (শ্রীরাধাগী) প্রণয়মহিমা (প্রেমগী মওংমা) কীদৃশো বা (কবম তৌরিগবা (১)), যেন (অদুম ওইবা প্রেম অদুনা) অনয়া এব (মাদুমক্না— শ্রীরাধা তনা, অতৈ কনা অমতনা নত্তবা) আস্বাদ্যঃ (চারি, মহাও লৌবি) মদীয়ঃ (ঐগী) অদ্ভুতমধুরিমা (মরুমা ওকপা মাধুর্য্য=পুক্কি চবংগ অসে) কীদৃশোঃ বা (কবম তৌবিগবা (২)), চ (অমসুং) মদনুভবতঃ (ঐগী মাধুর্য্য-চুপ্পনা) অস্যাঃ (শ্রীরাধাগী) সৌখ্যং (নুংঙাইবা ফঙনা) কীদৃশং বা (কবম তৌবিগবা (৩)) ইতি ত্রয় লোভং (মরম অহুম অসি পাম্বদগী) তদ্ভাবাঢ্যঃ (শ্রীরাধাগী পুকচেন (ভাব) লৌদুনা) শচীগর্ভসিন্ধৌ শচীদেবীগী গর্ভ সমুদ্রদা) হরীন্দু (কৃষ্ণচন্দ্রনা) সমজনি (পোকখি, ফোংদোকখি)।

অনুবাদ। শ্রীরাধাগী প্রেমগী মওংনা কবম তৌবিগবা, শ্রীরাধানা অদুম ওইবা প্রেম অদুন ঐগী অঙকপগী মশক ওইবা মাধুর্য্য (পুক্নিং শুমহংপবু) চুপ্পীবা অদুগুম্না ঐনা মাধুর্য্য অদুনা কবম তৌবিগবা অমসুং ঐগী মাধুর্য্য চুপ্পনা শ্রীরাধানা নুংঙাইবা ফংবা অদুনা কবমা নুংঙাইবা—বাখন অহুম অসি খঙনীংদুনা শ্রীরাধাগা ভাব লৌদুনা শ্রীকৃষ্ণ চন্দ্রনা শচীগী গর্ভ সমুদ্রদা ফোংদোকখি। ৬॥ অঙক্কাঃ হয়া খবা শাংনা অর্থ তৌজনি।

১। শ্রীরাধিকানা কৃষ্ণ ঐবুন্দা নুংশিবিবা অসি (প্রেম লৈরিবা অসি) করম তৌনা করা যাম্না নুংশিবিগবা। মাসি মহাক্কীনা খঙঙী ঐনাদ খঙবা ওমদবে, খঙবা ওমদবা পোৎ অসি ঐনা (কৃষ্ণ ঐনা) খংনীংঙে।

২। কৃষ্ণ ঐগী ইশাদা লৈরিবা পুক্কি ফজবববস মহাও অসিবু শ্রীরাধিকানা চাবগা (ফ লগা) হাওবিবা (নুংঙাইবিবা) অদুনা কয়া যাম্না হাওবিগনা? মান চাবনিনা মহাক মথোমতনা মথঙগী, মাসি খঙনবগীদমক নাম্না ওইবগা হঙ্গীনা (কৃষ্ণ ঐনা) নীঙঙী।

৩। কৃষ্ণ ঐবু শ্রীরাধিকানা মহাক্কী থৱাইগী মরুংঙোনি হাঙ্গীনা নীবদগী নুংঙাইরিবা অদুনা ববম তৌনা কয়া যাম্না নুংঙাইবিগবা? মাহদনা মথঙঙ, লৈদি খঙদ, মবম অসিনা মাসি খঙনবগীদমক মহাক্কী (রাধাগী) মশক অদু ঐনা লৈনীঙঙী।

মথক্তা হাঙ্গীরিবা মরম অহুম অসি পাম্বদগী-(খঙনীংবদগী) শচীগী গর্ভ সমুদ্রদা হরিনা পোকখবে।

সঙ্কর্ষণঃ কারণতোয়শায়ী গর্ভোদশায়ী চ পয়োহব্ধিশায়ী।
শেষশ্চ যস্যাংশকলাঃ স নিত্যানন্দাখ্যরামঃ শরণং মমাস্তু॥ ৭
মায়াতীতে ব্যাপি বৈকুণ্ঠলোকে পূর্ণৈশ্বর্য্যে শ্রীচতুর্ব্যূহমধ্যে।
রূপং যস্যোদ্ভাতি সঙ্কর্ষণাখ্যং তং শ্রীনিত্যানন্দ রামং প্রপদ্যে॥ ৮

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক অনিদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মন্ত্র ওইবা অবতারগী মরম হাঙ্গৈ। মরম অসিনা মাসিস্থু পোৎশক লেপ্পা মঙ্গলাচরণগী মন্থং চল্লী। ৫ শুবা অমসুং ৬ শুবা শ্লোক অনিসিদা অবতারগী মন্ত্র অমসুং অবতার ওইরকপগী মশক মওং হাঙ্গৈ। শ্লোক ৫/৬ অসি পোৎশক লেপ্পা মঙ্গাচরণগী মন্থংচল্লী।

শ্লোক তরুক্তা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী তত্ত্ব হাঙ্গবে মতুংগী শ্লোক মঙাদা নিত্যানন্দগী তত্ত্ব হাঙ্গজরি। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অমসুং শ্রীনিত্যানন্দ "অনিনা স্বরূপ (মশক) অমতনি—হকচাং তোংঙাণকতনি।" হাঙ্গৈতুনা "মচিন মনাও অনি মশা অমতনি ফোংদোকপা কাওবকপা মাগৈ" হাঙ্গৈতুনা ইষ্টদেবা খুবম্বগী মঙ্গলাচরণদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগা লোঙ্গননা শ্রীনিত্যানন্দ-চন্দ্রগী তত্ত্বসু ফোংদোকচরি।

মাধুর্য্য—হকচাংদা ফজবা খিবিক্লা শীংথাবা ঙমদনা তুংহুনা লৈবা অহুবু মাধুর্য্য কৌই। অমদি জীবা পূন্নমক্কী পুক্লিং হূবা অহুবু মাধুর্য্য কৌই।

শ্লো। ৭। অন্বয়। সঙ্কর্ষণঃ (পরব্যোমগী মপু নারায়ণগী অনিশুবা ব্যূহ সঙ্কর্ষণ) কারণতোয়শায়ী (অহানবা পুরুষাবতার কারণাব্ধিশায়ী মহাবিষ্ণু), গর্ভোদশায়ী (অনিশুবা পুরুষাবতার ব্রহ্মাণ্ডান্তর্যামী মকোক লিশিং অমা পানবা নীপা), পয়োব্ধিশায়ী (অহুম শুবা পুরুষাবতার ক্ষীরোদশায়ী বিষ্ণু), শেষঃ চ (অনন্তদেবসু) [এতে] (মখোয় পুন্নমক অসি) যস্য অংশকলাঃ (মাখোন্দগী খাইবা হাঙ্গবদি মহাক্কী অংশ অমসুং অংশগী অংশনি) সঃ (অহুম ওইবা) নিত্যানন্দাখ্য রামঃ নিত্যানন্দ কৌবা বলরামদা) মমা (ঐনা) শরণং অস্তু (চংহৌরি)।

(থাঙ্গেশেংবা পোৎশক অহুনা য়ুমফম ওইরগা মাহুদগী শক্তি খরদং থোরক্কনা অতোপ্পা অমদা ফোংদোক্লবদি মাহুবু অংশ কৌই)।

অনুবাদ। সঙ্কর্ষণ, কারণাব্ধিশায়ী নারায়ণ, গর্ভোদশায়ী নারায়ণা (শুরুশিদবা) ক্ষীরোদশায়ী নারায়ণ (সনামহি) অমসুং অনন্তদেবা (পাখংবা মখোয় অসি বলরামগী সাইওনি হাঙ্গবদি অংশগী অংশনি, অহুম ওইবা শ্রীনিত্যানন্দ কৌবা বলরামদা চংজরি। ৭

কলা—অখাইবদগী অমুক্কা খাইবা (অংশগী অংশ) শ্লোক অসিদা শ্রীনিত্যানন্দ তত্ত্ব হাঙ্গজরি মতুংগী শ্লোক মরিদা শ্লোক অসিগী অখহুম্বগী মরম নীংথিনা পীজরি; মরম অসিনা শ্লোক মঙাদং নিত্যানন্দগী—তত্ত্ব মরম হাঙ্গজরি। আদি-লীলাগী মতাং ৫ শুবগী পয়ার ৬-১০ দা মচং ফোংদোকচরি।

শ্লো। ৮। অন্বয়। মায়াতীতে (মায়াগী মাংম) পূর্ণৈশ্বর্য্যে (ঐশ্বর্য্য তরুক্কা তিনবা) ব্যাপি বৈকুণ্ঠ লোকে (শিনবা-থুংনা বৈকুণ্ঠ লোক্তা) শ্রীচতুর্ব্যূহমধ্যে (বাসুদেবা, সঙ্কর্ষণ,

মায়া ভর্ত্তাজাণ্ডসঙ্ঘাশ্রয়াঙ্গ: শেতে সাক্ষাৎ কারণাম্ভোধিমধ্যে।
যস্যৈকাংশ: শ্রীপুমানাদিদেবস্তং শ্রীনিত্যানন্দরামং প্রপদ্যে॥ ৯

গৌর-কৃপা-টীকা

প্রদ্যুম্না, অনি রুদ্ধ বূহ্য মরি অসিগী মমুংদা) যস্য (মহাক্কী) সঙ্কর্ষনাখ্যং (সঙ্কর্ষণ কৌব) রূপং (মশক) উদ্গাতি (কোংদোক্লী), তং শ্রীনিত্যানন্দ রাম (অদুম ওইবা শ্রীনিত্যানন্দ কৌবা বলরামদা) প্রপদ্যে (ঐনা চংজরি)।

অনুবাদ। ঐশ্বর্য্য তরুক্কা তিনবা মকম খুদিংদা শিন্থনা লৈবা মাযাচংদবা বৈকুণ্ঠ লোক্কা বাসুদেবা, সঙ্কর্ষণ, প্রদ্যুম্না অমসুং অনিরুদ্ধ বূহ্য মরি অসিগী মমুংদা, সঙ্কর্ষণ কৌবদুনা নিত্যানন্দগী মশক কোংদোক্লি, ঐনা অদুম ওইবা নিত্যানন্দ কৌবা বলরাম ইবুংঙোদা চংজরি। ৮।

পরব্যোমগী অনিশুবা বূহ্য সঙ্কর্ষণ, মহাবস্তু শ্রীনিত্যানন্দগী অংশনি, মাসি শ্লোক অসিদা হাঙ্গৈরিবনি। আদি-লীলাগী ৫ শুবা মতাংগী পয়ার ১১— ৪২ দা শ্লোক অসিগী অর্থ মচং ফোংদোকচরি যেংবিয়ু।

শ্লোক ৯। অন্বয়। অজাণ্ডসঙ্ঘাশ্রয়াঙ্গ মশাদা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কা চংজকম (ওইবা) মাগী সাক্ষাৎ মায়াভর্ত্তা (মায়াগী সাক্ষাৎ মবুংঙো ওইবা) কারনাম্ভোধিমধ্যে (কারণ সমুদ্রদা) শেতে (চল্লিবা) [অসৌ] (অদুম ওইবা) আদিদেবা (অহানবা অবতার) শ্রীপুমান (নীপা অদুদি) যস্য (মহাক্কী—নিত্যানন্দগী) একাংশঃ অংশ অবগী সাইওন অ.নি) তং (অদুম ওইবা) শ্রীনিত্যানন্দ রামং (শ্রীনিত্যানন্দ কৌবা বলরামদা) প্রপদ্যে (ঐনা চংজরি)।

অনুবাদ। মায়াগী সাক্ষাৎ মবুংঙো ওইবা, ইবুংঙো মাঙোন্দা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কা চংজকপা ওইবা অমসুং কারণ সমুদ্রদা চেল্লিবা, অহানবা অবতার পুরুষ (প্রথম পুরুষাবতার) অপোকপা) ওইদুনা সাইওন অমা ওইবিরিবা অদুম ওইবা নিত্যাইনন্দ কৌবা বলরামদা ঐনা চংজরি। ৯॥

তরেৎশুবা শ্লোক্কা কারণতোয়শায়ীগী রা হাঙ্গৈখিবদু শ্লোক অসিদা মহাক্কী মবম উচ্চরি।

চিন্ময় লৈবাক (মাযা চংদবা লৈবাক) অমসুং মায়াগী ব্রহ্মাণ্ড অনিগী মবক্কা কারণ সমুদ্র লৈ; মাদু চিন্ময় ঈশিংনা থল্লী অমসুং অনন্তনি (মপাল্লাইদবনি)। মহাপ্রলয়গী মতুংদা প্রাকৃত (মায়াগী) ব্রহ্মাণ্ড শেমগে হাঙ্গৈদুনা পরব্যোমদা লৈরিবা সঙ্কর্ষণ মশাগী অংশ সাইওন) অমনা কারনার্ণবদা (কারন সমুদ্র) চেল্লুনা লৈ কারনার্ণব শায়ী পুরুষ অসি সঙ্কর্ষণগী অংশনি। "অদুম ওইবা সঙ্কর্ষণনা কারণার্ণব'দুদা। মহাক্কী অংশ অমনা চেল্লি মাহুদা॥ ১। ৫ ৪৭॥"

অদুগা কারণার্ণবশায়ীদি পরব্যোমদা লৈরিবা সঙ্কর্ষণগী অংশনি। অদুগা পরব্যোমদা লৈরিবা সঙ্কর্ষণ অসিদি শ্রীনিত্যানন্দগী অংশনি; মরম অসিনা কারর্ণার্ণব শায়া পুরুষ অসি শ্রীনিত্যানন্দগী অংশগী অংশ হাঙ্গৈবদি বলানি। শ্লোক অসিদা "অংশগী অংশ" অমনা "একাংশ" শব্দ শিজিন্নবে। ১। ৫। ৬৩ -৬৫॥

যস্যাংশাংশঃ শ্রীলগর্ভোদশায়ী যন্নাভ্যব্জং লোকসঙ্ঘাতনালম্।
লোকস্রষ্টুঃ সূতিকাধাম ধাতুস্তং শ্রীনিত্যানন্দ রামং প্রপদ্যে॥ ১০

গৌর-কৃপা টীকা

স্বয়ং ভগবানগী অনন্ত (মশীংথীবা ভমদবা) শক্তিগী মনুংদা শক্তি অহুম্না অথোইবনি। মাতুদি (১) চিচ্ছক্তি (২) জীবশক্তি (৩) মায়াশক্তি। চিচ্ছক্তিবু অন্তরঙ্গ শক্তি নত্রগা স্বরূপ—শক্তিসু কৌই। জীব শক্তিগী অতোপ্পা মমিং অমদি তটস্থাশক্তি কৌই, অনন্ত কোটি জীব অসি জীবশক্তিগী অংশনি। মায়াশক্তিবু জড (অবেপ্পা লৈতবা) শক্তি নত্রগা বহিরঙ্গ শক্তিসু (মপানগী শক্তি) কৌই। থাক্লেংশংবদি স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা বহিবঙ্গা মায়াশক্তিগীসু এবুংডো নত্তে, তৌইগুম্লবুং বহিবঙ্গাশক্তিগা লোয়িননা শংশংনা (তশেংনা) ফবিগুম্না লীলা অমতা ইবুঙোনা শান্নদে, ইবুংঙো মহাক্কী মথং মতুংইন্না নত্রগা ইঙ্গিংনা শ্রীনিত্যানন্দ হায়বদি শ্রীবলরামনা কারনার্ণব শায়ী ওইনা সাইওন্নগা মাযাদা ইঙ্গিন্দুনা সৃষ্টিগী (জগৎ শেম্বগী) থবক পাঙথোকই, মরম অসিনা শাক্ষাৎ নত্রবগী ভাবতা কারনার্ণব শায়ী পুরুষ অসি মায়াগী অধীশ্বরনি মবুংঙোনি। এবম অতুনা মাবু "সাক্ষাৎ মায়াগী মবুংঙোনি হায়ীরবনি। সৃষ্টিগী (জগৎ শেম্বগী) অহৌবদা কারনার্ণবশায়ী পুরুষনা মায়াগী নকমদা যেংহুনা মাযাদা লৈশেম্বা ভম্বগী শক্তি পী, মহাক্কী শক্তিদা মায়ানা ভেংবাংহুনা অনন্ত (এশীংথীবা ভমদবা) ব্রহ্মাণ্ড শেম্মী। কারনার্ণবশায়ী পুরুষ মশামকনা ব্রহ্মাণ্ড-পুম্নমকপু পুরি। মরম অতুনা মহাক্কী মশাবু ব্রহ্মাণ্ড পুম্ন কী চংজকপি হায়রিবনি (অজাণ্ড—সঙ্ঘাশ্রয় ঙ)। কারনর্ণবশায়ীনা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমকী অন্তর্যামীনি। মহাক সহস্রশীর্ষানি (মথোক লিশীং অমা পানবনি)।

আদিদেব—অর্থ আদি অবতার, ইহান হানবা অবতার লেশেম্নগে হায়বগীদমক ঈশ্বরগী মশক অতুনা মায়াগী জগৎ অসিদা অবতীর্ণ ওৌই মাতুবু অবতার কৌই। ঈশ্বরগী মশক পুম্নমকনা সৃষ্টিগী থবক পাঙথোকপদা, মখোযগী মনুংদা কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা অহাই পুম্নমকগী ইহান-হান্না সৃষ্টিগী থবক তৌখি অমসুং মহাক্না অংশনচিংবদা, সৃষ্টিকার্য্যগা মরী লৈনবা ঈশ্বরগা মশক ওইহুনা ফোংদোকই। মরম অসিনা মাবু আদিদেব হায়বদি অহানবা অবতার (অ.পাকপা) হায়রিবনি অবতার তৌবরিবা নীপা খুদিংমক্কী চকচ ং অসি মাযাজগৎকী ঈনা শাবা নত্তে। মায়া চংদবনি।

শ্লোক অসি শব্দোক্ত ব্যাখ্যা তৌরবদি ১। ৫ ৪৩—৭৭ পয়ারদ তৌরি য়েংবিয়ু

শ্লো। ১০। অন্বয়। লোক-সঙ্ঘাতনালং (মরোল তবামরিনা থম্বালগী লৈখোক ওইরিবা) যন্নাভ্যব্জং (এহ কী খোইদোদা শাংপা থম্বান্দা) লোকস্রষ্টুঃ ধাতুঃ (জগৎশংশার শেম্বা ব্রহ্মাগী) সূতিকাধাম (পোকফম ওইবা) [সঃ] (অতুম ওইবা) শ্রীলগর্ভোদশায়ী (অনিশুবা নীপা গর্ভোদশায়ী বিষ্ণু অতুদি যস্য (মহাক্কী নিত্যানন্দগী) অংশাংশ+গুরু শিদবা অতুদি (অংশগী অংশনি) তং শ্রীনিত্যানন্দ রামং (অতুম ওইবা নিত্যানন্দ হায়না খঙনবা বলরামদা) প্রপদ্যে (ঐনা চংজরি)

অনুবাদ। হবু ভো মহাক্কী খোইদোদা শাংপা থম্বান্দা মবোল তবামরিনা পুম্না চতফম ওইবা অমসুং থম্বাল অতুদা জগৎপু শেম্বা ব্রহ্মাগী পাকফম ওইরিবা, অতুম

**যস্যাংশাংশাংশঃ পরাত্মাখিলানাং পোষ্টা বিষ্ণুর্ভাতি দুগ্ধাব্ধিশায়ী।
ক্ষৌণীভর্তা যৎকলা সোঽপ্যনন্তস্তং শ্রীনিত্যানন্দ রামং প্রপদ্যে ॥১১**

গৌর-কৃপা-টীকা

ওইবা অনিগুবা নীপা গর্ভোদশায়ী বিষ্ণু (গুরুশিদবা) অদু, বলরাম ইবুংঙোগী অংশগী অংশনি অদুম ওইবা নিত্যানন্দ কৌবা বলরামদা চংজরি। ১০

তরেৎ গুবা শ্লোকতা গর্ভোদশায়ীগী রা হাঙ্গীখিবদু শ্লোক অসিদা মহাক্কী মরম পীরি। কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ড শেম্বগা অংশ অমনা (শক্লোন অমনা-সাইওন অংশ অমনা) ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদা চংদুনা লৈ ; ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদা চংদুনা লৈবা অদুনা, মহাকপু গর্ভোদশায়ী পুরুষ কৌই। মহাকপু কারনার্ণবশায়ীগী সাইওন্নি, অংশনি হাঙ্গদুনা পব ব্যোমদা লৈরিবা সঙ্কর্ষণগীদি অংশগী অংশনি (মনাইগী মনাইনি) ; মরম অদুনা নিত্যানন্দগী অংশগী অংশ ওইরে। সঙ্কর্ষণগা নিত্যানন্দগা থেমদে হাঙ্গনা নিংদুনা শ্লোক অসিদা গর্ভোদশায়ীবু নিত্যানন্দগী মনাইগী মনাইনি হাঙ্গীবিবনি। ব্রহ্মাণ্ডগী মনুংদা চংখিদুনা মশাগী হুমাংগী ঈশিংনা ব্রহ্মাণ্ড তংখাই অমা থল্লুনা ঈশিং মথক্তা মহাক্কা চেপ্তুনা লৈ হাঙ্গদুনা মাবু গর্ভোদশায়ী হাঙ্গরিবনি। গর্ভ—মনুং, মথাই উদ—ঈশিং ; মাদুদা হিপ্পা হাঙ্গদুনা মাবু গর্ভোদশায়ী। মহাক্কা তুমথরবদি মাগী খোইদোদগী থম্বাল অমা ফাওগংলকই, থম্বাল অদুদা, তোংঙান-তোঙানবা জীব খুদিংমকপু শেম্বিরিবা মপু ব্রহ্মা পোকই ; মরম অদুনা থম্বাল অদুবু ব্রহ্মাগী য়াঙ্গোনশং (চাবোকশং) নি হাঙ্গনবি। মবোন তারামবিগী মী পুম্নমক থম্বাল অদুগী মখোক্তা লৈ ; মরম অদুনা থম্বাল অদুবু "লোকসঙ্ঘাতনাল" হাঙ্গনৈ। মবোন ত বার্মাবগী মমিং (১) পাতাল (২) রশাতল (৩) মহাতল (৪) তলাতল (৫) সুতল (৬) বিতল (৭) অতল তবেৎ অসি পাতাল ভাক্তনি। (অরাবগী লায়) । অদুগা (৮) ভুলোক (পৃথিবী) (৯) ভুবর্লোক (১০) স্বর্লোক (১২) জনলোক (১৩) তপলোক অমসুং (১৪) সত্যলোক তরামবি অসিবু মবোন তরামবি কৌই। শ্রীমদ্ভাঃ ২। ১। ২৬—২৮॥

গর্ভোদশায়ী পুরুষ অসি ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগী অন্তর্যামীনি অমসুং ব্রহ্মাগী (হিরন্যগর্ভগী) অন্তর্যামীনি। মহাক সহস্রশীর্ষানি। মাঙোন্দগী ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং শিব গুনাবতার অহুম পোকই (থোরকই)। শ্লোক অসিগী তাৎপর্য ১। ৫। ৭৮—৯২ পয়ারদা যেংবিযু।

শ্লোক। ১১। অন্বয়। অখিলানাং (তোংঙানবা জীবা পুম্নমক্কী) পরাত্ম (পরমাত্ম) পোষ্টা (ভাকপিরিবা মপু) দুগ্ধাব্ধিশায়ী (ক্ষীরোদশায়ী) বিষ্ণুঃ (বিষ্ণুদি) যস্য (মহাক) অংশাংশাংশঃ (সাইওন মথং-মথং ওইনা—শুথাং শুপ ওইনা) ভাতি (ভাম্নি) ক্ষৌণীভর্তা (মহাক্কী মকোক্তা পৃথিবীবু পুরিবা) সঃ (অদুম ওইবা) অনন্তঃ (অনন্তদেব) অপি (সু) যৎকলা (নিত্যানন্দ মাগী কলা) তং (অদুম ওইবা) শ্রীনিত্যানন্দ রামং (শ্রীনিত্যানন্দ কৌবা বলরামদা) প্রপদ্যে (এনা চংজরি)।

অনুবাদ। তোঙান-তোঙানবা জীব পুম্নমক্কী পরমাত্মা অমসুং যোকপিবিবা মপু দুগ্ধাব্ধিশায়ী বিষ্ণুবু মাগী (নিত্যানন্দগী) শুথাংশুপা মানাই ওইরিবা অদুগা মহাক্কা

মহাবিষ্ণু র্জগৎ কর্ত্তা মায়য়া যঃ সৃজত্যদঃ।
তস্যাবতার এবায়মদ্বৈতাচার্য্য ঈশ্বর॥ ১২

গৌর-কৃপা টীকা

পৃথিবীবু পুন্নিবা অনন্তদেববুসু মহাক্কী কলা ওইরিবা অত্থুম ওইবা শ্রীনিত্যানন্দ কৌবা বলরামদা ঐনা চংজরি। ১১

তরেৎ শুবা শ্লোক্তা পয়োব্ধিশায়ী শেষগী রা হাঙ্গৈগ্রে, শ্লোক অসিদা মাহুগী মরম হাঙ্গজরি; পয়োব্ধিশায়ী—ক্ষীরোদশায়ী, দুগ্ধাব্ধিশায়ী। শেষ—অনন্ত (পাখংবা)।

ব্রহ্মানা জীব মথল খুদিংমক শেম্নবগী তুংদা, গর্ভোদশয়ী পুরুষ (শুরুসিদবা) না মাগী মশা অংশ অমনা (মশা অত্থবু থাংনা লেন্দূনা মচেৎ অংশ অমা কক্রোকউবা নত্তে, শক্তি অমনা অতোপ্পা মশা অমা পুথোক্তনা) মশক অমমম ও'হুনা জীব খুদিংমক্কী থমোইদা চংহুনা লৈ; জীব খুদিংমক্কী মনুংদা, মশক অত্থুনা অন্তর্যামী পরমাত্মা ওই। মথক্কী শ্লোক্তা থম্বাল মথোক্তা মরোন তরামন্নিগী লৈবাক লৈন্নিবাত্থুদা ক্ষারোদ সমুদ্র অমা লৈ; ক্ষীরোদ সমুদ্র অত্থুগী মথাইদা মহাক্কা মশক অমা ওইনা চেম্নী হাঙ্গৈথুনা ক্ষরোদশায়ী হাঙ্গৈরিবনি। মহ ক গর্ভোদশায়ীগী অংশনি হাঙ্গৈথুনা নিত্যানন্দ রামগী অংশগী অংশ, অংশত্থুগীসু অংশনি (সাইওন মথং-মথংনি) শুথাংগুম্বা মনাইনি। ক্ষারোদশায়ী বিষ্ণুদি থুং মরি পানবনি; মহাক্তি গুনা বতারনি অধর্ম্মবু মাঙহনবা, ধর্ম্ম অচুম্ববু লিংখৎকে হাঙ্গৈবগীদমক মহাক্কা যুগাবতার অমসুং মন্বন্তরাবতার ওইনা অবতীর্ণ ওইথুনা জগৎপু ঙাকই হাঙ্গৈথুনা মাবু "পোষ্টা" হাঙ্গৈনরিবনি। ক্ষীরোদশায়ীবু অত্থুম শুবা পুরুষ (নীপা) সু কৌই। (মনিপুরদা মীতৈ জাতিনা সন মহি কৌনৈ শক্তি পৃথোক্ত্রিভৈদদি পাম্বোম অনি পাল্লী, দ্বারক কৃষ্ণগুম্না)। অসম শুবা পুরুষ অসিনা অমুক অনন্ত (শেষ) গী মশক ওইরগা মাগী মকোক্না পৃথিবীবু পুত্থং নৈ। মবম অসিনা অনন্তবু (পাখংববু) ক্ষৌণী ভর্ত্তা হায়নৈ। ক্ষৌণী—পৃথিবী। "বিষ্ণু অত্থুনা শেষ ওইবগা পৃথিবী পুন্নি।" ১৫।১০০॥" অংশগী অংশবু কলা কৌই গৌইগুম্বসুং কলাগী অংশবুসু কলা অসুম হাঙ্গৈগনি; মরম অসিনা অনিশুবা অত্থুম শুবা পুরুষ সু নিত্যানন্দ রামগী কলানি অমসুং অনন্তদেব অত্থুমশুবা তৃতীয় পুরুষকা মশক ৬ম তনি হাঙ্গৈথুনা মাবন্ত নিত্যানন্দ রামগী কলা হাঙ্গৈনবি। থাঙ্গৈশেষদি অনন্তদেব (পাখংবা) অত্থুমশুবা পুরুষগী আবেশবতারনি। পয়ার ১।৫।৯৩—১০৮ দা শ্লোক্কী অর্থ মচং য়েংবিয়ু। অসি ফাওবদা নিত্যানন্দগী রা হাঙ্গৈজরে। অসিগী তুংদা শ্লোক অ'নদং শ্রীঅদ্বৈত তত্ত্ব হাঙ্গৈজরি। অদ্বৈতসু ঈশ্বরনি—ঈশ্বরগী অবতারনি হাঙ্গৈথুনা; কারনার্ণবশায়ীগী অনিশুবা মশানি হাঙ্গৈথুনা মহাক্কী তত্ত্বসু মক্কন অসিদা হাঙ্গৈজরি।

শ্লো। ১২। অন্বয়। জগৎকর্ত্তা (জগৎপু শেম্বিরিবা মপু) য (অত্থুম ওইব) মহাবিষ্ণুঃ (মহাবিষ্ণুনা) মায়য়া (মায়াগা লোঈননা) অদঃ (বিশ্ব-ব্রহ্মাণ্ডবু) সৃজতি (শেম্মী) তস্য (মহাক্কী) অবতার এব (অবতার ওইনা) অয়ং (অসুম ওইবা) ঈশ্বর (ঈশ্বর তৌবঙম্বা অদ্বৈতাচর্য্যঃ (শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্য কৌরে)॥

অনুবাদ। জগৎপু শেম্বিম্নিবা মপু মহাবিষ্ণুনা মায়াগা লোঙ্গৈননা ব্রহ্মাণ্ড অসি শেম্মী; মহাক্কা তৌবঙম্বা ঈশ্বর-অদ্বৈতাচার্য্য ওইনা অবতার তৌই। ১২

গৌর-কৃপা-টীকা

কারনার্ণবশায়ীগী অতোপ্পা মমিং অমা মহাবিষ্ণু কৌই। মাযাদা শক্তি হাপ্লগা মাগী মতেংনা জগৎ-সৃষ্টির অসি শেম্মী, মরম অসিনা মহাকপু জগৎকী মপু হাঙ্গীরিবনি। অদ্বৈতাচার্য্য অসি মহাক্কী অবতারনি—মাসিনা শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যগী তত্ত্বনি। মহাবিষ্ণুদি ঈশ্বরনি ; অদুনা মানা অবতার তৌবনি হাঙ্গীদুনা শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যসু ঈশ্বরনি।

স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী বহিরঙ্গা (মপানগী) শক্তিগী মমিং মায়া কৌই ; মাসি জড় শক্তিনি (অচম্বা শক্তি'ন অরেম্বা লৈতে)। মাযাবু প্রকৃতিসু কৌই। মায়া অসি মথক অনি থোক্লি—(১) প্রধান (অথোইবা মরু ওইবা) অমসুং (২) প্রকৃতি (অচম্বা, অরেম্বা লৈতব, শিবা নাইবা)।

পান্দমদি—অপূনবা জেলা অমগী মমিং মথুরা কৌই, জেলা অদুগী মমুংচনরা আচৌবা সহর অমগী মমিংসু মথুরা কৌই। মতৌ অসিগুম্বা অপূনবা বাহিরঙ্গা শক্তিগী মমিংসু প্রকৃতি (মায়া) ; অদুগা বহিরঙ্গাগী মমুংচনবা শরুক মচেৎ (অংশ) অমগী মমিংসু প্রকৃতি কৌই ; অংশ প্রকৃতিবু অমুক মাযাসু কৌই।

অদুগা প্রধানবু (অথোইবা মায়াবু) গুণমাযাসু কৌই ; অমসুং অংশ (মচৎ) প্রকৃতিবু জীব মাযাসু কৌই। সত্ত্ব, রজঃ অমসুং তমঃ গুন অহুম অসিগী মমিং অমদি গুন মায়া হাঙ্গীবদি প্রধান কৌই, "সত্ত্বাদিগুনসাম্যরূপাং গুন মাযাখ্যাং জড়াং প্রকৃতিং অসি নচিংবা শ্রীমদভা ২। ৯ ৩৩ ক্রম-সন্দর্ভ'।

(ঈশ্বরগী শক্তিনা) জীবগী স্বরূপবু কুপশিল্লীবা অমসুং জীববু মায়াগী থবক্তা পুক্লিং চংহল্লীবা অসি অংশ-প্রকৃতিনা শিল্লিবনি, জীববু মহাক্কা পুক্লিং থাহা অমসুং অমম্বা লৈচিনগুম্বা অমনা বুপুনা থম্মী, মহাক্কা তৌরিবা থবক্কী মতুন অসি জগৎদা চংলগা কোংদোকই হাঙ্গীদুনা অংশ—প্রকৃতি অসিবু 'জীব মায়া' কৌই। জীব মাযাবু অবিদ্যাসু কৌই। জগৎ সংসারদা লৈবিবা জীব পূম্নমক্কা ঐগীনি ঐগীনি হাঙ্গদুনা রানবিবা অমসুং অশিবা অনাবা থেংনদুনা অরাব কোকপা ওমদ্রিবা অসি অবিদ্যা মাযানা শিল্লিবনি।

ইচ্ছাশক্তি, জ্ঞান শক্তি অমসুং ক্রিয়া শক্তি (থবক তৌবা ওম্বগী ...) অহুম অসি মহাবিষ্ণুগী লৈ ; মহাবিষ্ণুনা মশামক্কা লৈবগী থবক পাঙ্গথলবা দাইদ জীব মায়াদা মিৎয়েং তাদুনা শক্তি অহুম অসি শিন্নে ; মাদুদা জ্ঞান মায়ানা সৃষ্টিপাবিনী শক্তি (শেম্বা ওম্বগী শক্তি) কংভি। মহাবিষ্ণুনা অমুক মহাক্কী ক্রিয়া শক্তি-প্রধানগী অংশ অমা ওইবা গুন মাযাদসু ক্রিয়া শক্তি শিনৌ। মহাবিষ্ণুগী ক্রিয়া-শক্তি-প্রধান অংশ অদুনা শ্রী অদ্বৈত ওই, মাসিনা শ্রীঅদ্বৈত তত্ত্বনি। শ্রীঅদ্বৈতগী শক্তিদগী সত্ত্বনচিবা গুন শক্তিনগী ফিরম মাম্মনা সৈয়ম্বা অদু মামমক্তে হাঙ্গীবদি পুক্লিং লাংতক্লবা লেপ্পুনা ফিবম অমা ওইরকই। মতৌ অহুম তৌদুনা মহাবিষ্ণুনা পুক্লিং লাংতক্লখবা গুন মায়া গা জীব মায়াগা অনিগী মতেং লৌদুনা সৃষ্টিগী থবক পাঙ্গথোকই। মাসিগী য়াম্মা নৈনবিবা মফমনি ১। ৫। ৫০ পয়ারদা লৈরে য়েংবিয়ু।

অদ্বৈতং হরিনা দ্বৈতাদাচার্য্যং ভক্তি শংসনাৎ।
ভক্তাবতার মীশং তমদ্বৈতাচার্য্য মাশ্রয়ে॥ ১৩
পঞ্চতত্ত্বাত্মকং কৃষ্ণং ভক্ত রূপ স্বরূপকম।
ভক্তা বতারং ভক্তাখ্যং নমামি ভক্ত শক্তিকম॥ ১৪

গৌর-কৃপা টীকা

আদিগী তরুক শুবা মতাংগী পযাব ৩দগী অহুমদগী অরানিপান কাওবদা শ্লোক অসিগী অর্থ মচং য়াওরে যেংবিয়ু।

শ্লোক। ১৩। অন্বয়। হরিনা (শ্রীহরিগা লোইনন।) অদ্বৈতাৎ (খেন্নদে হাইদুনা) অদ্বৈতং (মহাপ্রভু অদ্বৈত হাইনা খঙনৈ), ভক্তিশংসনাৎ (ভক্তিগী পাওতাক পী হাইদুনা) আচার্য্যং (মহাপ্রভু আচার্য্য হাইনা খঙনৈ) তং (অদুম ওইবা) ভক্তাবতারং (ভক্তাবতার) ঈশং (ঈশ্বর) অদ্বৈতাচার্য্যং (শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যদা) আশ্রয়ে (ঐনা চংজরি)।

অনুবাদ। শ্রীহরিগা খেন্নদে হাইদুনা মাগী মমিং অদ্বৈত হাইনা খঙনৈ অমসুং কৃষ্ণ ভক্তিগী পাওতাক পী হাইদুনা মাবু আচার্য্য হাইনা খঙনৈ, ঐনা অদুম ওইবা ভক্তাবতার ঈশ্বর অদ্বৈতাচার্য্যদা চংজরি। ১৩

মশানা ঈশ্বর ওইরগা ভক্ত ওইনা অবতীর্ণ ওই হাইদুনা শ্রীঅদ্বৈতবু ভক্তাবতার হাইনা খঙনৈ।

শ্লোক। ১৪। অন্বয়। ভক্তরূপ স্বরূপক (ভক্তরূপ=ভক্তমক ওইবনা শ্রীচৈতন্য অদুগ ভক্ত মশক ওইবনা শ্রীনিত্যানন্দচন্দ্র) ভক্তাবতারং (ভক্তাবতার ওইবনা শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্র) ভক্তাখ্যং (ভক্তনি হাইনা খঙনবন শ্রীবাস নচিংবা) ভক্ত শক্তিকং (ভক্তশক্তি ওইবা শ্রীগদাধরনচিংবা) পঞ্চতত্ত্বাত্মকং (তত্ত্ব মঙাগী থরাই ওইবা) কৃষ্ণং (কৃষ্ণবু-শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু) নমামি (ঐনা খুরুমজরি)।

অনুবাদ। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা স্বয়ং ভক্তরূপনি, ভক্ত স্বরূপ শ্রীনিত্যানন্দ, ভক্তাবতার শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্য, ভক্তাখ্য শ্রীবাসনচিংবা অমসুং ভক্তশক্তি শ্রীগদাধর—তত্ত্ব মঙাগী থরাই ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু (শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু) খুরুমজরি ১৪

মমাংগৈদা শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা তত্ত্ব মঙা ওইনা অবতীর্ণ তৌখি, হৌজিক অদুগুম্বা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যনা তত্ত্ব মঙাগী মশক ওইনা ফোংদোক্লবে, হাইব শ্লোক অসিনা তাকি।

নবদ্বীপতা শ্রীশচীনন্দননা লীলা শান্নবা হুংডাইনবা হাইদুনা ইচ্ছাশক্তি তত্ত্ব নরি পুথোক-কনা লীলা শান্নৈ, মশাগা থাবগা তত্ত্ব মঙানি।

ইষ্টবস্তু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা পুথোক্লিবা শক্তোনগী মশক মথৈ শুনবা খুরুম্বনা ইষ্ট খুরুম্বা মপুং ফাবা কৌই; অদুনা পঞ্চতত্ত্ববু খুরুম্বনি। শ্লোক ইষ্টবন্দনা ওইবা মঙ্গলাচরনগী মশুংচনী। শ্লোক তরামরি অসিদা মঙ্গলাচরন লোইরে॥ শংগোম অনৌবদগী অকম্বা, দহি, মাখন, ঘী ওনখিবগুম্বা, পোকপা লৈতবা রসরাজ শ্রীকৃষ্ণদগী অবতার পুরমক পুথোকখি।

জয়তাং সুরতৌ পঙ্গোর্মম মন্দমতেগর্তী।
মৎসর্ব্বস্ব পদাম্ভোজৌ রাধামদনমোহনৌ ॥১৫

গৌর কৃপা—টীকা

শ্লোক। ১৫। অন্বয়। পঙ্গোঃ (চৎপা ঙমদবা, খোংতেকপা) মন্দমতেঃ (কত্তবা বুদ্ধি) মম (ঐগী) গতী (পাজল ওইবা) মৎসর্ব্বস্ব পদাম্ভোজৌ (অনিগী শ্রীচরণ থবাম্না ঐগী লল্লি) সুরতৌ (অচুম ওইবা য়াম্না থৌজাল হৈবা) রাধামদনমোহনৌ (শ্রীরাধা মদনমোহন অনিনা) জয়তাং (জয় ওইরসনু)।

অনুবাদ। ইথোং তেক্লবা (চৎপা ঙমত্রবা), পঙলবা ঐগী গতিদি (পাজল্লি) শ্রীরাধামদনমোহনদি, অনিগী শ্রীচরণ থবাম্না ঐগী পুন্সিগী লল্লি; অচুম্ ওইবা য়াম্না থৌজান্ হৈয়বা শ্রীরাধামদনমোহননা জয় ওইরসনু হাঙৈনা খুরুমজল্লি। ১৫

কাইরিক লেংদিবা গোস্বামী মশানা হাঙৈজরি—শ্লোক অহান্‌বদগী তরামথিত্তবা কাওবা অসি মঙ্গলাচরণনী, অদুগা শ্লোক তরামন্নিগী মতুংদসু শ্লোক অহুম্না শ্রীমদনমোহন, শ্রীগোপীনাথ অমসুং শ্রীগোবিন্দবু খুরুমজরি; শ্লোক অহুম অসিদি ইষ্ট খুরুমজবা ওইরবসু মঙ্গলাচরণগী মতুংদি চলহল্লে। মঙ্গলাচরণ লোইশ্রবদি থাগৎনদি রারী অদুগী মরম ইবা হৌনরে; লোইশিনবগা হৌগদৌরিবা রারী অদুগী মরমদি ইত্রদুনা, মাদুগী মমাংদা শ্লোক অহুম অসি ইকরিবগী মরমদি, মথাগী থরা অসিগী মতুংদা অমদি ওইরগনি, অদুম্না ওইরবা য়াই— শ্রীবৃন্দাবনদা শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত ইবা হৌই, মরম অদুনা রারী অসি লোইজিনকাওবা বৃন্দাবনগী মপু ওইবা শ্রীগোবিন্দ—গোপীনাথ— মদনমোহনগী কৃপা কংজনবগীদমক রারী ইবা হৌবগী মমাংদা খুরুমজবনি।

নত্রগা,

অদুমসু ওইরবা য়াই—

শ্রীলঠাকুর মহাশয়না শ্রীগৌরাঙ্গবু পতি (মবুংঙো) ওইনা অমসুং শ্রীযুগলকিশোরবু প্রাণ (থবাই) ওইনা শিংথাই (বর্ণন তৌই)। "ধন মোর নিত্যানন্দ, পতি মোর গৌরচন্দ্র, প্রাণ মোর যুগলকিশোর।"

কনাগুম্বা অমগী থুপী অদুনা মথবাই (প্রাণ) য়াওত্রবদি শিরবদি মপুবোইবা অদুনা চংশিন্নে মপান্দা পুংশাগনু, অদুগুমদুনা শ্রীযুগলকিশোর নীংশিংদবা মীগী মথমদসু শ্রীগৌরসুন্দরগী কৃপা কংবা য়াদে। রারী অসি মপুং ফানা কজনা লোইননবগী মরম অসি

শ্রীগৌরাঙ্গগী কৃপা নত্তনদি লোইবা ঙম্লোই হায়না লৌ'খ্রুনা শ্রীগৌরাঙ্গনা পেনখিনবগীদমক গোস্বামীনা শ্রীশ্রীযুগলকিশোরবু থুরুমজবনি ।

নত্রগা,

শ্রীশ্রীগোবিন্দগী মনাই (সেবক) শ্রীপণ্ডিত হরিদাসনচিংবা মকোক ওইবা ভক্তশিংনা কবিরাজ গোস্বামীদা লাইবিক ইনবা য়াথং পীবিবগী মতুং ইন্না ইখিবনি । হরিদাসনা শ্রীগোবিন্দগী কৃপা লৈরবদি লাইরিক কজনা মপুং ফানা ইবা ঙমগনি হায়না কৃষ্ণদাস্তা থজহনখি ; মহুনা গোস্বামীনা শ্রীগোবিন্দবু থুরুমজবনি শ্রীহরিদাসনচিংবা বৈষ্ণব খিখিব্রী য়াথং ফংলবা মতুংদা কবিরাজনা পুক্নিংদা য়াথন্ তৌন-ভানা শ্রীমদনমোহন থুরুম্নিংহুনা মন্দির তান্না চংলি । মদনমোহন অসি কবির'জগী শাগৈনা সেবা চ'তুনা লাংপনি । মহাক্না মন্দির য়েহুনা মদনমোহনবু থুরুমজবা মতমদা ইথচ-খঙহৌদনা শ্রীমদনমোহনগী ভক্তগী লৈ প:রং অমা ভংতুনা তারক্লে, লৈ পরেং অদু হরিদাসনা থুরগা কবিরাজগী হকুপমদা হুকুলকখি । মানা লৈপরেং অদুবু শ্রীমদনমোহনগী কৃপানি হায়না খন্নুনা মকম অদুদা কবিরাজনা লাইরিক ইবা হৌখি । মবম অসিদগী শ্রীমদনমোহনদা তৌবিমল খঙ্‌বা ঊৎপগী ভাব ওইনা শ্রীমদনমোহনবু কবিরাজনা থুরুমজবনি । "রাধা সঙ্গে যদা ভাতি তদা মদনমোহন গোবিন্দলীলামৃত ৮ । ৩২ ।" মদনমোহন নীংশিংবদা শ্রীরাধিকানচিংবা গোপীশিংতু নীংশিংলক্নবা শ্রীগোপীনাথবু থুরুমজরিবনি ।

নত্রগা,

নবদ্বীপ লীলা শীংথাবা লোইরগা শ্রীশ্রীযুগলকিশোরবুসু শীংথাবা হৌনৈ হায়হুনা যুগলকিশোরবু থুরুমজরিবনি ।

"জয়তাং সুরতৌ" শ্লোক অসিগী অর্থ মথক অসি থোক্না তৌবা য়াই ।

অহানবা অর্থ, লাইরিক ইবা হৌবা মতমদা কবিরাজ গোস্বামীদি য়াম্না অহল ওইরে, কয়া চংপা ঙমশিল্লক্লে, লাইরিক ইবা ফাওবা চাং নাইনা ইবা ঙমদ্রে, মথুং থক থক নীক্রবনি ; মরম অদুনা মহাক্ মশানা "পঙ্গু" (চংপা ঙমদ্রবা, খোংতেকপা) হায়রিবনি । অদুগা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত ইবা তারবদি বুদ্ধি লৌশিং অমসুং বিচার শক্তি য়াম্না চংকম্ থোক্‌ই ; অহল ওইবা মরম্না মহাক্তি ইবাং য়াংলবনি ; মরম অদুনা মহাক মশানা তোল্লবনি হায়না য়াথন্ তৌহুনা শাস্ত্রজ্ঞান লৈদ্রে হায়না মপুক্নিংদা নীংজবনি ; মরম অদুনা শ্লোক অসিদা "মন্দমতি" (শাস্ত্রজ্ঞান য়াওদ্রবা অপঙবা) হায়রিবনি । শ্রীমদনমোহনদি গোস্বামীগী শাগৈগী লাইনি দেবতানি । মরম অদুনা মহাক্না শ্রীশ্রীরাধামদনমোহনবু মহাক্কী গতিশ্রী (পানজি) হায়রিবনি অমসুং মখোয়গী চরণ কমলনা মহাক্কী পুন্জিগী কন্নি হায়রিবনি । সুরতৌগী অর্থদি থৌজালহৈবা হায়বনী । মানা হায়রম্মী -"ঐ অহল ওইরে, খোক্লে, লাইরিক

ইবদা থুং নিক্লে; মকম অমদগী অতোপ্পা মকম অমদা চংপা ঙমদ্রে, অদুনা ঐহাক খোংত্তেকপঙমদ্রে। ঐ অপঙবনি, শাস্ত্রজ্ঞান লৈত্রে অদুগী মথক্তা অমুক অহল্ ওইবা মরম্না বুদ্ধিসু ময়েং তারে। শ্রীমন্ মহাপ্রভুগী ওস্তোক্লা লুপ্লবা লীলা অসি লোইবা কাওবা ইবা ঙমগনি হায়না নীংজে। অদুনা শ্রীশ্রীরাধামদনমোহনগী কৃপা লৈরবদি ওইথোক্তবা অকনবসু ইলাই-লাইনা ঙম্মী, ইবেম্মা-ইবুংঙোগী কৃপানা খোংতেক্পসু (পঙ্গুসু) চীং কাহনা লাম্থোকপা ঙম্হল্লী। মখোয়না ঐগী গতি (পাঙ্গল) নি। মখোয়গী মখোং থম্মাম্না ঐগী পুক্নিংগী লমি, ভক্তগী মকম্মদসু মখোয়না য়াম্না থৌজানবি; অদু থিবিক্লা রস অসি চুপ্চনবগীদমক মহাক্না কৃপা তৌবিদুনা অপঙবা ঐবু শ্রীরাধা মদনমোহন অনীনা তিল্লবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী লীলা অসি মপুংফানা ইহনবা ঙমহল্লবদি মখোয়গী কৃপা অসি হায়নীংঙাই লৈতনা কজবা ওইগনি অমসুং মীনা থাগৎনগনি অমসুং ঐনা মখোয়গী চরন্দা থুরুমজহনা হায়জরিবদি—মখোয়গী থৌজাল অসি জগৎ বিখ্যাত কাওবা ওইরসু।"

অনিশুবা অর্থ—কবিরাজ গোস্বামীনা মশাবু য়াম্না তোম্নবা মতিকচাদবনি হায়না নীংজহনা মথাগী ভাব অদুমসু থনবা য়াই—মকম অমদগী অতোপ্পা মকম অমদা চংপা ঙমদববু পঙ্গু (খোংতেকপা) কৌই। শ্রীরাধামদনমোহনগী চরণ থাদোকত্রবা অতোপ্পা কনাগুম্বা লাই (দেব দেবী)গী চরন্দা চংজবা ঙম্জদে, মহাক্না পুক্নিংগী কিবমসু খাংতেকপগী (পঙ্গুগী) মতৌঙুম্নী, মরম অদুনা শ্লোক অসিদা "পঙ্গু" গী অর্থদি "অতোপ-অতোপ্পদা চংজকত্রবা" হায়বনি। গোস্বামীগী নপুক্নিংদা জ্ঞান লৌশিংগী বিচার তৌবা পাম্জদে মদুবু অপঙবা পুক্নিং (মন্দমতি) কৌই। শ্লোক অসিদা "মন্দমতি" গী অর্থদি জ্ঞানচিংবা অতোপ-অতোপ্পদা সাধন তৌত্রবা পুক্নিং লেপ্পবা ভক্ত হায়বনি। কবিরাজ গোস্বামীনা পুক্নিং অমত্তা ওইনা নীংজবদি শ্রীশ্রীরাধামদনমোহনবু, ইবুংঙো-ইবেম্মগী মখোঙ, থম্মাম্না মহাক্না পুক্নিংগী লমি, মখোয়গী চরণ সেবা তৌবনা অপনবনি, জ্ঞান-কর্ম্মনচিংবা পূমথা-থাদোকত্রবা পুক্নিং অমত্তা ওইনা শ্রীশ্রীরাধামদনমোহনগী চরণ সেবা তৌবদা পুক্নিং য়ুংজবনি। মসিনা মরম ওইদুনা থুরুমজবনি।

দীব্যদ্‌বৃন্দারণ্যকল্পদ্রুমাধঃ শ্রীমদ্রত্নাগারসিংহাসনস্থৌ।
শ্রীমদ্রাধা-শ্রীলগোবিন্দদেবৌ প্রেষ্ঠালীভিঃ সেব্যমানৌস্মরামি ॥১১

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক। ১৬। অন্বয়। দীব্যদ্‌বৃন্দারণ্য-কল্পদ্রুমাধঃ (য়াম্না নীংথিজবা শ্রীবৃন্দাবন্দা কল্পবৃক্ষগী মখোংদা) শ্রীমদ্রত্নাগারসিংহাসনস্থৌ (য়াম্না কজরবা রত্ন মন্দিরগী মনুংদা যোগপীঠগী মথক্তা

লৈরিবা) শ্রেষ্ঠালীভিঃ (চাম্নবী সখীশিংনা) সেব্যমানৌ (সেবা তৌহিবা) শ্রীশ্রীরাধা শ্রীলগোবিন্দদেবৌ (শ্রীরাধা অমসুং শ্রীগোবিন্দবু) স্মরামি (ঐনা নীংশিংজরি)। ১৬

অনুবাদ—য়াম্না নীংথিজরবা শ্রীবৃন্দাবনদা কল্পবৃক্ষ মখোংদা রত্ন মন্দিরগী মনুংদা যোগপীঠগী মথক্তা ফান্দুনা লৈরিবা অমসুং চাম্নবী সখীশিংনা সেবা তৌরিবা শ্রীমতী রাধা অমসুং শ্রীগোবিন্দ অনিবু ঐনা নীংশিংজরি ১৬।

দীব্যৎ—মঙান্গী মশক ওইবা, য়াম্না নীংথিজবা। বৃন্দারণ্য—বৃন্দাবন। কল্পদ্রুম—কল্পবৃক্ষ। অধঃ—মখা (মখোঙ)। শ্রীমৎ—য়াম্না নীংথিজরি। রত্নাগার—রত্না থিরিক্লা শাবা মন্দির (য়ুম)। শ্রেষ্ঠ—চাম্নবী। আলী—সখী, ললিতানচিংবী। দেব—লীলাবিলাসী (লীলা শান্নবা পাম্বা)।

শ্রীবৃন্দাবনদি ইঙান্-ঙান্বা ধাম্নি, মকম অদুগী বন পুম্নমক কল্পবৃক্ষ ওাক্তনি, মাদুগী মনাক্তা বনাগুম্বা অমন। করিগুম্বা অমা নীংলুরবদি অনীং-অনীংবহ্ ফংই। য়াম্না ওাল্লবা বৃন্দাবনগী মনুংদা কল্পবৃক্ষ মখোঙ্দা শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দগী যোগপীঠ (ফলকম ফিদা) লৈ; অদুম ওইবা লৈকম্ ফিদা অদুদা মথক মখা অয়াম্বা লংলবা সনা লুপাগী শান্নবা য়াম্না নীংথিজরবা মন্দির অমা লৈ: মন্দির অদুদা অয়াম্বা রত্ননা থান্নবা য়াম্না নীংথিজরবা সিংহাসন (ফিদা) অমা লৈ; শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দনা সিংহাসন অদুদা ফম্দুনা লৈ, ললিতানচিংবী সখীশিংনা মখোঙ্গী মাইকৈ মারনক্তা লেপ্লগা মথক-মখা অয়াম্বা ভাব থম্দুনা সেবা তৌই। সখীশিংগা লোয়ননা শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দনা মথক-মখা অয়াম্বা লীলা শান্নদুনা লৈ। অসুম ওইবা শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দদেববু কৃষ্ণদাসনা নীংশিংজরি।

শ্রীমান্ রাসরসারম্ভী বংশীবটতটস্থিতঃ।
কর্ষন্ বেনুস্বনৈর্গোপীনাথঃ শ্রিয়েহস্তু নঃ॥ ১৭

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক। ১৭। অন্বয়। বেনুস্বনৈঃ (বেনু খোজেম্না) গোপীঃ (গোপীশিংবু) কর্ষন্ (মহাক্লা কৌখোক্লিবা) বংশীবটতটস্থিতঃ (বংশীবটকী মখোংদা ফাল্লিবা) রাসরসারম্ভী (রাসরস হৌদোকপা) শ্রীমান (ফজবা পুম্নমক্লা তিল্লবা প্রেমরস থোকফম ওইবা) গোপীনাথঃ (শ্রীগোপী-নাথনা) নঃ (ঐখোইগী) শ্রিয়ে (ফনবগীদমক) অস্তু (তৌবিসনু)।

অনুবাদ—বংশীবটকী মখোঙ্দা লৈদুনা বেনুগী খোজেম্না গোপীশিংবু কৌখোক্লিবা অমসুং রাস-রস হৌদোক্লবা অদুগা ফজবা পুম্নমক তিল্লবা, অদুম ওইবা শ্রীগোপীনাথনা ঐখোইগী ফনবা তৌবিবা ওইসনু। ১৭।

শ্রীবৃন্দাবনদা যমুনাগী মপান্দা বংশীবট কৌবা য়াম্না। ফজরবা খোংবাংবট পাম্বী অমা লৈ ; অমসুং মখুদী (খরাক্-লাংবল থাক্নী) রাসকী অহিংদা স্বয়ং ভগবান রসিকশেখর শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা মাঙ্গলা গোপকী নীংথিজবীশিংগা লোয়ননা রাস-লীলা শারগে হায়বদা মমক বংশীবট অদুগী মখোঙ্দা লেপ্লবা বাঁশী খোংখি ; খোঞ্জেল অদু তাবদা প্রেমগী মশক ওইবী গোপকী নীংথিজবীশিংনা ইয়ুং-য়ুং-মহল-লমন পুম্মক থাদোক্লগা অভাওবীগুম্বা শ্রীকৃষ্ণগী মনাক্তা চেনশিল্লকখী। অদুগী তুংদা নীংথিজবীশিং অদুগী অচেৎপা প্রেম, কৈরা-লৈতরা হায়বা মঙ্গল-মথা অমাম্বা চাং য়েংলগা লৌথংপিখি হাঙবদি রাস লীলা শাম্নখি। শ্লোক অসিগী অর্থদি লীলা অসিনি হায়না ইঙ্গিত তৌই।

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্ত বৃন্দ ॥ ১
এ তিন ঠাকুর গৌড়িয়াকে করিয়াছেন আত্মসাথ।
এ-তিনের চরণ বন্দো, তিনে মোর নাথ ॥২

(অর্থ)

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্ত বৃন্দ ॥১
গৌড়ীয়াবু মনাই ওইবিরে ঠাকুর অহুম্না।
ইমুংগী অহুমগী চরণ খুরুমজরি ঐনা ॥২

গৌর-কৃপা-টীকা

১। অহানবগী শৈরেং অসিদা মংগল্লাক্তা লৈবা পয়ার। মীচৈ শ্লোকদা ব্যাখ্যা তৌজরে।
শ্রীলকৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীনা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত কৌবা লীলা লাইরিক অসি ইবা হৌবা মতমদা 'জয়' শব্দনা হাম্না হৌকম্ খোক্নই হাঙবা মপুক্লিংদা ইথিনবা অমা রাওবদগী 'জয়' শব্দনা ইহান্ হাম্না হৌখ্রবনি। 'জয়' বাহৈগী অর্থদি 'খুরুম্জবা' হাঙবনি, গ্রন্থকারনা পয়ার (শৈরেং) অসিদা শ্রীচৈতন্যনচিংবদা খুরুম্জবনি। মরম খুদিংমক্তা জয় ওইরসনু -অর্থ অদুম্মা লৌবদনু জয় শব্দ শিজিন্নৈ। শ্রীচৈতন্য নিত্যানন্দনচিংবা পুম্নমক্কা মরম পুম্নমক্তা জয় ওইরসনু—মসিনা গ্রন্থকারনা নীংবনি। পয়ার ইবগী অহানবা হৌবদা শ্রীশ্রীগৌরনিত্যানন্দনচিংববু খুরুমজরগা পয়ার অসি লেংঙি ; অদুগী মতুংদা লাইরিকী হৌনবা হায়কম্ খোকপা ইবা হৌই। অদুনা শৈরেং অসিবু লাইরিক অসিগী শৈরেং হৌবগী মঙ্গলাচরণ হায়না কৌই (খুরুমজবা কৌই)।

অচপা পয়ার ইবা হৌবা অসিদা তাবিগদৌরিবশিংনা থবাই রাগুনা তাবিরবশিংবনক 'জয় জয় শ্রীচৈতন্য'না হৌদুনা ইরিবনি। বৈষ্ণবশিংগী মনুংদা হৌজিক কাওবা মীতি (চংনবী অমা উবা ফংজি, মচুদি—কনাগুম্বা অমবু কৌবা মতমদা নত্তগা কনাগুম্বা অমগী পুক্কিং চিংশিন্নীংবা মতমদা মখোয়না নিং কানহুনা কৌনদে অদুগা রা অতৈদু তাংনদে—জয় গৌর, জয় নিত্যাই, জয় রাধে, হরে কৃষ্ণ অসিনচিংবা হাঙৈনৈ। হাঙৈনরিবা বাহৈ পুন্নমকসি বৈষ্ণবশিংগী পুক্কিং চংনবগী বাহৈ ওাকুনি। শ্রীশ্রীগোবিন্দনা মণিপুরদা কোংয়োকপিরবা মতমদা 'জয়' বাহৈ অসি মীতৈলোন্ ওইনা শিজিন্নরে। অসিদা নত্তনা গুরু, কৃষ্ণ, বৈষ্ণব অমসুং ইতি অসিনচিংবা বাহৈ কয়ামুকপু মীতৈলোন ওইনা শিজিন্নরে।

২। ইবুংঙো অহুম—শ্রীমদনমোহন, শ্রীগোবিন্দ অমসুং শ্রীগোপীনাথ। গৌড়িয়াবু—গৌড়দেশতা লৈবা মীবু।

ইবুংঙো অহুম অসিগী সেবা অসি বাঙ্গালীনা হৌদোকপনি। শ্রীমদনমোহনগী সেবানা শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীনা হৌদোকই, শ্রীগোবিন্দগী সেবানা শ্রীপাদ রূপ গোস্বামীনা হৌদোকই অমসুং শ্রীগোপীনাথকী সেবানা শ্রীপাদ মধু পণ্ডিতনা হৌদোকই। শ্রীসনাতন, শ্রীরূপ অমসুং শ্রীমধুপণ্ডিত গোস্বামী মখোয় পুম্নমক গৌডদেশতা লৈবনি, বাঙ্গালীনি। ইবুংঙো অহুম অসিনা মনাই অহুম অসিগী সেবাদা পেন্নদুনা গৌডদেশতা লৈবা মী অয়াম্ববু মন ই ওইনা লৌখৎপিখি।

লাইবিক লে পিবা শ্রী ৭কবিরাজ গোস্বামীসু গৌডদেশতা লৈবা বাঙ্গালীনি। বর্দ্ধমান জিলাগী মনুংদা লৈবা ঝামটপুর কৌবা খুন্দা লৈবনি। মহাক্না মবুংঙো অহুম খুরুমজবনি।

> গ্রন্থের আরম্ভে করি মঙ্গলাচরণ।
> গুরু বৈষ্ণব ভগবান্—তিনের স্মরণ ॥৩
> তিনের স্মরণে হয় বিঘ্নবিনাশন।
> অনায়াসে হয় নিজ বাঞ্ছিতপূরণ ॥৪
> সে মঙ্গলাচরণ হয় ত্রিবিধ প্রকার।
> বস্তুনির্দ্দেশ, আশীর্ব্বাদ, নমস্কার ॥৫
> প্রথম দুইশ্লোকে ইষ্টদেব নমস্কার।
> সামান্য-বিশেষরূপে দুই ত প্রকার ॥৬

(অর্থ)

লাইরিকী মঙ্গলাচরণ হৌজরি।
গুরু বৈষ্ণব ভগবান্ অহুম নীংশিংজরি ॥৩

অহুম্‌ নীংশিংজবদা কোক্‌ই য়েংখাইববু ।
ইবা-যাদনবু থুংঙি মানা নীংজববু ॥৪
মঙ্গলাচরণ হাঙ্গিবসি অহুম থোক্‌ই-মথল ।
পোৎশক্তোক্‌পা, থুরুমজবা, পীনবিবা মঙ্গল্‌ ॥৫
ইষ্টদেব থুরুম্বনি অহানবা শ্লোক অনি ।
শ্লোক অনিতু অচম্বগা মতম্নবগনি ॥৬

গৌর কৃপা-টীকা

৩। লাইরিক ইবা হৌবদা গুরু, বৈষ্ণব অমসুং ভগবান্‌ অহুম্‌ নীংশিংজবিবসি মঙ্গলাচরণনি ।

মঙ্গলাচরণ, নীংবা থুংননব', য়েংখাই-থিন্‌গাদব', কৈতনা লাইরিক লেংবা লোইননবগী-দমক অহৌবদা ভগবান থুরুম্বনচিংববু মঙ্গলাচরণ কৌই ।

গুরু নীংশিংবা', বৈষ্ণব নীংশিংবা অমসুং শ্রীভগবান নীংশিংবনা ইষ্ট থুরুম্বা (মানা মানা লাচ্চরিবা ঈশ্বর থুরুম্বা) মঙ্গলাচরণনি ।

৪। অহুম্‌ নীংশিংজবদা—গুরু, বৈষ্ণব অমসুং ভগবান নীংজবদা । কোক্‌ই য়েংখাইববু নহালমক্কী মপোক্তা (তৌরক্‌পা কন্নবা কর্ম্ম কয়ামক্কী কলনা হৃদয়কী মপোক্তা য়েংখাইবা নত্তগা পাপ তৌবা পূম্নমকপু কোক্‌ই (মাঙহৌ) । গুরু বৈষ্ণব অমসুং ভগবানগী চরণ নীংশিংবদা য়েংখাই-থিন্‌গাদব পূম্নমক কাককনা মানা মানা নীংজবা থুংঙি ।

৫। মঙ্গলাচরণ মথল অহুম্নি—(১) পোৎশক লেপ্পা (২) মঙ্গল (মঙোল) পীনবিবা অমসুং (৩) থুরুমজবা । লাইরিক্তা নৈনগদৌরিবা থমগদৌরিবা অহু লেপ্পা অতুবু পোৎশক লেপ্পা কৌই । মঙোল পীনবিবা—তাবিরিবশিংগী নত্তগা থাই পূম্নমক্কী যাইফনবা নীংবা । থুরুমজবা—ইষ্টদেববু থুরুমজবা (ঈশ্বরবু) ।

৬। মঙ্গলাচরণগী শ্লোক অহানবগা অনিশুবগা অনিসি ইষ্টদেববু থুরুমজবা মঙ্গলাচরণনি । থুরুম্বা মথল অনি ওই—ইচম চম্না থুরুম্বা অমসুং অতেম্বনা (অথম্বনা) থুরুম্বা । অহানবা শ্লোকী টীকাদা ইচম্‌ চম্না থুরুম্বগী থুদম্নি অমসুং অনিশুবা শ্লোকী টীকাদনা অথম্বনা থুরুম্বগী থুদম্নি । অতম্বনা—চ'খোম্ন', অথম্বনা ।

তৃতীয় শ্লোকেতে করি বস্তুর নির্দ্দেশ।
যাহা হৈতে জানি পরতত্ত্বের উদ্দেশ ॥৭
চতুর্থ—শ্লোকেতে করি জগতে আশীর্ব্বাদ।
সর্ব্বত্র মাগিয়ে কৃষ্ণচৈতন্য - প্রসাদ ॥৮
সেই শ্লোকে কহি বাহ্যাবতার—কারণ।
পঞ্চ-ষষ্ঠ শ্লোকে কহি মূল প্রয়োজন ॥৯
এই ছয় শ্লোকে কহি চৈতন্যের তত্ত্ব।
আর পঞ্চ শ্লোকে নিত্যানন্দের মহত্ত্ব ॥১০
আর দুই শ্লোকে অদ্বৈত-তত্ত্বাখ্যান।
আর এক শ্লোকে পঞ্চতত্ত্বের ব্যাখ্যান॥ ১

অর্থ :—

অহুম শুবা শ্লোকতা পাংশক তাক্লুনা কেমলি।
মাংহুদগী অথোইবা তত্ত্ব খঙ্বা ঙম্বনি ॥৭
মরিশুবা শ্লোকতা মঙ্গোল পীনরি জগৎপু।
কৃষ্ণচৈতন্যনা চানবিসন্নু মী পূম্নমকপু ॥৮
মপানগী অবতারগী বা শ্লোক অদুদা হাঙ্গৈরি।
শ্লোক মঙা তরুক্তা মরু ওইবা মরম হাঙ্গৈরি ॥৯
শ্লোক তরুক অসিদা তত্ত্ব হাঙ্গৈরি চৈতন্যগী।
শ্লোক মঙাখ দা উক্লবি গুণ নিত্যানন্দগী ॥১০
অদ্বৈতগী তত্ত্ব হাঙ্গৈরি শ্লোক অনিংক্তা।
পঞ্চ তত্ত্বগী বারম হাঙ্গৈরি শ্লোক অমতক্তা ॥১১

গৌর কৃপা-টীকা

৭। মহুদগী পোংশক কেমলগী, অহুম শুবা শ্লোকগী। অথোইবা তত্ত্ব—অথোইবা পোংশক; শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা অথোইবা পোংশক্নি।

৮। মঙ্গোল পীনরি জগৎপু—জগৎতা লৈরিবা মী পূম্নমকপু মঙ্গোল ওইনবা নীংশিংরি। পূম্নমকপু চানবিসন্নু কবিরাজ গোস্বামীনা মায়া তোঙ্নবনি হায়না নীংবদা মখাদা মী পূম্নমক্তা গৌর পীদুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী কৃপা নীজরিবনি। নীজরিবা বাহৈ অহুম মহাকী পুক্নিনা শেংবা বাহৈ নত্তে, মী পূম্নমক্তা পুজা তৌনরিবা—শ্রীপাদ রূপ গোস্বামীগী বাহৈ—অনর্পিত চরীং শ্লোক্তি।

১। শ্লোক অমুদা— হরিগুরু শ্লোকা। মপান্‌গী অবতারগী বা—কৃষ্ণচৈতন্যনা অবতার তৌবগী মপানগী বারম (অপৌব। মরোন)। মরু ওইবা মরম—অবতারগী মরু ওইবা মরম। ব্রজলীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা মপুক্লিংদা নীজবা মরম অহুম থুংখিদে (মাহু তরুক গুবা শ্লোক্তা হাঈগ্রে), অহুম ওইবা নীংখিবা অহুম অক্ত থুংলনবা হোংনবনা অবতার তৌবগী মরু ওইবা মরম্নি ; নাম-প্রেম যেন্‌বীবনা মপানগী মরম্নি।

এই চৌদ্দ শ্লোকে করি মঙ্গলাচরণ।
তহি মধ্যে কহি সব বস্তু-নিরূপণ ॥১২
সব শ্রোতা বৈষ্ণবেরে করি নমস্কার।
এই সব শ্লোকের করি অর্থ বিচার ॥১৩
সকল বৈষ্ণব শুন করি একমন।
চৈতন্যকৃষ্ণের শাস্ত্রমত নিরূপণ ॥১৪
কৃষ্ণ, গুরু, ভক্ত, শক্তি, অবতার, প্রকাশ।
কৃষ্ণ এই ছয় রূপে করেন বিলাস ॥১৫
এই ছয় তত্ত্বের করি চরণ বন্দন।
প্রথমে সামান্যে করি মঙ্গলাচরণ ॥১৬

অর্থ :—

শ্লোক তরামরি অসিনা মঙ্গলাচরণি।
মতুগী মনুংদা পোৎশক লেপ্পা য়াওরিবনি ॥১২
তাবিগদৌরিবা বৈষ্ণবশিংবু খুরুমজরি।
শ্লোক পুম্নমক্কী অর্থবু বিচার তৌজরি ॥১৩
বৈষ্ণব পুম্নমক তাবিয়ু পুক্নিং য়াম্না চংনা।
চৈতন্যকৃষ্ণগী মরম্ পিবগ্নি শাস্ত্রনা ॥১৪
কৃষ্ণ, গুরু, শক্তি, অবতার, প্রকাশ ওই।
কৃষ্ণনা মশক তরুক্তি লৌইতুনা বিলাস ওই ॥১৫
তত্ত্ব তরুক অসিগী চরন্দা খুরুমজরি।
চম্না মঙ্গলাচরণ অহানবদা তৌরি ॥১৬

গৌর-কৃপা-টীকা

১২। শ্লোক অহুমগুবদা পোৎশক লেপ্পগী বারম হাঈগ্রগা অমুক শ্লোক তরামরিদা পোৎশক লেপ্পগী বারম হাঈকরিবগী মরমদি লাঈরিক অসিদা মরু ওইবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা

লীলা ফজনবা হোৎনবদা শকফম হোংদোকখিবা (লাই ওনখিবা) অহু শ্লোক তরামরি অসিদা হাঙ্গৈরি অমসুং মথোঙ্গী মগুন কোংদোকলি। মরম অহুনা শ্লোক তরামরি অসিবু পোৎশক লেপ্পা হাঙ্গৈরিবনি।

১৩। লাইরিক অসি অতৈ লৈরিবা বৈষ্ণবশিংবু খুরুমজহুনা শ্লোক তরুক অসি কোংদোকলি।

১৪। পুক্লিং যাম্মা চংনা—মরম অতৈদা পুক্লিং চংলম্বহু তোক্তুনা লাইরিক হাঙ্গগদৌরিবগী মরমদা পুক্লিং চংনা চৈতন্য কৃষ্ণগী - শ্রীকৃষ্ণ মসামক্না চৈতন্য ওইনা পোক্ই হাঙ্গহুনা 'চৈতন্যকৃষ্ণ' হাঙ্গনরিবনি। প্রমাণগা লোঙ্গননা উত্তুনা কোংদোক্চ'র অহুনা বৈষ্ণবশিংনা পুক্লিং চংনা তাবীয়ু।

১৫। "বন্দে গুরূন" নচিংবা অহানবা শ্লোকী অর্থ পয়ার ১৫/১৬ তা শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ওইনা, গুরু তত্ত্ব ওইনা, ভক্ত তত্ত্ব ওইনা, শক্তি তত্ত্ব ওইনা, অবতার তত্ত্ব ওইনা অমসুং প্রকাশ (কোংবা) তত্ত্ব ওইনা মশক তরুক অসি ওইনা শায়ে। গুরু—দীক্ষাগুরু অমসুং শিক্ষাগুরু। কোংবা—আবির্ভাব। মতাং অসিগী পয়ার ৩৫ দা য়েংবিয়ু। শক্তি—তরুক অসি ওইহুনা শায়ে।

১৬। তত্ত্ব তরুক— কৃষ্ণ, গুরুনচিংবা তত্ত্ব তরুক। চয়া চয়া খুরুমজবা। শ্লোক। ১। টীকা য়েংবিয়ু।

বন্দে গুরূনীশভক্তানীশমীশাবতারকান্।
তৎপ্রকাশাংশ্চ তচ্ছক্তীঃ কৃষ্ণচৈতন্যসংজ্ঞকম্॥
মন্ত্রগুরু আর যত শিক্ষাগুরুগণ।
তাঁহার চরণ আগে করিয়ে বন্দন॥

অর্থ :—

মন্ত্রগুরুগা লোঙ্গননা শিক্ষাগুরুশিংগী।
অহানবদা খুরুমজরি চরণগী মখোঙ্গী ॥১৭
শ্রীরূপ, সনাতন, ভট্ট রঘুনাথ।
শ্রীজীব, গোপাল ভট্ট, দাস রঘুনাথ ॥১৮
ঐসী শিক্ষা গুরু তরুক অসিগী চরণগী।
কোটিরক খুরুমজে মখোঙ্গী মখোঙ, থম্বান্দা ॥১৯
শ্রীবাসনা অখোইবা ভক্ত ওই শ্রীভগবান্গী।
লিশিংলক খুরুমজে মখোঙ থম্বান্দা মখোঙ্গী ॥২০

গৌর-কৃপা-টীকা

১৭। "বন্দে গুরূন" শ্লোকী অর্থ পয়ার ১৭— ৪ দা .তৌরি। অহানবদা "গুরূন" শব্দগী অর্থ পয়ার ১৭-১৯ দা তৌরি। মন্ত্রগুরু—দীক্ষাগুরু। শিক্ষাগুরু'দ অমদগী হেন্দুনা মরাম ওইবা য়াই, দীক্ষাগুরুদি অমদগী হেন্‌বা য়াদে। কনাগুম্বা মী অমগী মকমদা ভজন্‌গী (লাইনীংবগী) মরম্‌দা খঙ্কিক্লবু তম্মুববদি মহাকপু শিক্ষাগুরু কৌবা য়াবে। অহানবদা গুরুশিংগী চরণ খুরুম্বগী মরমদি, গুরুগী কৃপা নত্রগা'দ (কু ত্রবদি) কনাগীসু কৃপা ফংবা ঙমদে।

১৮। পয়ার অসিদা লাইরিক লেংলিবগী শিক্ষাগুরুশিংগী মমিং কোংদোক্লে।

২০। হৌজিক "শ্রীশভক্তান্" শব্দগী অর্থ তৌজরি শ্রীবাসনা অখোইবনি—ভক্তশিংগী মনুংদা শ্রীবাসনা অখোইবা ভক্তনি, শ্রীবাসনচিংবা ভগবদ্ভক্তশিংগী চরণ্ডা কোটি কোটিরক হন্না খুরুমজরি।

অদ্বৈত আচার্য্য—প্রভুর অংশ অবতার।
তাঁর পাদপদ্মে কোটি প্রণতি আমার ॥২১
নিত্যানন্দরায়—প্রভুর স্বরূপ প্রকাশ।
তাঁরপাদপদ্ম বন্দ, যার মুঞি দাস ॥২২
গদাধরপণ্ডিতাদি—প্রভুর নিজশক্তি।
তাঁসভার চরণে মোর সহস্র প্রণতি ॥২৩

অর্থ :—

অদ্বৈত আচার্য্য অংশ অবতারনি মাগী।
কোটিরক খুরুমজৈ ঐনা মখোঙ্, খম্বান্দা মাগী ॥২১
নিত্যানন্দরায়—প্রভুগী মশাগী সাইওন্নি।
মখোঙ্, খম্বান্দা খুরুমজৈ ঐ মাগী মনাইনি ॥২২
গদাধর পণ্ডিতনচিংবা—শক্তিনি প্রভুগী।
ঐনা লিশিংলক্ খুরুমজৈ চরণ্ডা মখোইগী ॥২৩

গৌর-কৃপা-টীকা

২১। হৌজিক "শ্রীশাবতারকান" শব্দগী অর্থ তৌজরি। অদ্বৈতআচার্য্য—শ্রীঅদ্বৈতপ্রভু। মাগী—প্রভুগী। শ্রীঅদ্বৈতপ্রভু অসি মহাবিষ্ণুনগী খাইবনি (অংশনি), মহাবিষ্ণু অসিনা শ্রীকৃষ্ণদগী খাইবনি; মরম অসিনা শ্রীলঅদ্বৈত প্রভু অসি শ্রীকৃষ্ণগী হাঙ্গবদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অংশ অবতারনি।

২২। "তৎপ্রকাশাংশ্চ" শব্দগী অর্থ তৌজরি। স্বরূপ-প্রকাশ। হকচাং অমতনা শকলোন য়াম্না পুথোক্লগা মওংদদি খেঃদবা মতম্বু মশ', মশক (স্বরূপ) অমতনি হাইনা লৌই। রাসকী মতমদা কৃষ্ণ য়াম্না চোংথোকপা (কাংদোকপা) অম্বু কৃষ্ণগী মরু ওইবা শকলোন কোংদোকপা কৌই। ১।১।৩৬—৩৭ মশক অমতনা মূর্তি (হকচাং) য়াম্না পুথোক্লগা মচুদি খেন্নহন্দবা চপ মান্নবা অম্বু কোংদোকপা শক (শকলোন্—প্রকাশরূপ) কৌই। হকচাং অমতনা মওং মান্নহন্দনা শাইওন য়াম্না পুথোকপা অম্বু বিলাস কৌই। হকচাং অমতনা মূর্তি তোঙান্-তোঙন্দুনা কুচু খেন্নহন্দুনা কোংদোকপা অম্বু বিলাসরূপ কৌই। শ্রীবলদেব অসি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাসনি; শ্রীকৃষ্ণদি শ্যামবর্ণনি (শংবান্নবনি), শ্রীবলরামদি ঙৌরোক ঙৌবনি; কুচুদা খেন্নবদু মশক্তি মশাদি অমতনি খেন্নদে, মসিগুম্বসি বিলাস কৌই।

শ্রীনিত্যানন্দ অসি ব্রজগী বলদেবনা ওইরকপনি; শ্রীমন মহাপ্রভুনা শ্রীকৃষ্ণনা ওইরকপনি, মরম অসিন। শ্রীনিত্যানন্দগী মশক অসি শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা ওইবা বিলাস্ মশক্তি; মহাপ্রভুগা নিত্যানন্দগা মরুবা মশক অমত ওইরবসু কুচুদি মান্নদে; মহাপ্রভুনা লংনা ঙৌই, নিত্যানন্দনা ঙংলপ ঙৌনা ঙৌই; অদুনা নিত্যানন্দ অসি মহাপ্রভুগী বিলাসনি।

> শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভু স্বয়ং ভগবান্ ।
> তাঁহার পদারবিন্দে অনন্ত প্রণাম ॥২৪

অর্থ :—

> শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভু স্বয়ং ভগবান্না ।
> মাশিং নাইদনা খুকমজরি মখোঙ থম্বান্দা ॥২৪

গৌর-কৃপা-টীকা

২৩। "তচ্ছক্তীঃ" গী অর্থ তৌজরি। মশাগী শক্তি। স্বয়ং ভগবানগী মশিং নাইদনা লৈবা শক্তি (অনন্ত শক্তি) গী মসুংদা শক্তি অহুম্না অখোইবনি।

(১) অন্তরঙ্গ চিচ্ছক্তি (মসুগী শক্তি), (২) তটস্থা জীবশক্তি (মরাইগী শক্তি) (৩) বহিরঙ্গ মায়া শক্তি (মপানগী শক্তি)। অন্তরঙ্গা চিচ্ছক্তি অসি মখল অহুম থোকই; (ক) হ্লাদিনী, (খ) সন্ধিনী অমসুং (গ) সম্বিৎ; (১) অন্তরঙ্গা চিচ্ছক্তি অসি মতম লৈবা খিবিক্তা মথাদা শক্কুনা লৈ হাপ্পুনা মহাকপু স্বরূপ শক্তিসু কৌই। শ্রীগদাধর

পণ্ডিত গোস্বামীগী তত্ত্বদি স্বরূপ শক্তিনি। গৌর-গণোদ্দেশ-দীপিকাদা উবা ফংদি—মমাংদৈদা বৃন্দাবনেশ্বরী প্রেম রূপা শ্রীরাধা লৈরম্বা অহূনা হৌজিক গৌরবল্লভ শ্রীগদাধর-পণ্ডিত ওইরে। ললিতাবু শ্রীরাধাগী তুংদগী হাঙইদো অনুরাধা হাঙনা খঙনে; মরম অহূনা শ্রীললিতাসু শ্রীগদাধর পণ্ডিতা চংলে।

গদাধর পণ্ডিতনচিংবা—ব্রজলীলাদা শ্রীরাধাগী সখী-মঞ্জরীনচিংবী পূরমক্কা নবদ্বীপ লীলাদা মতিক চাবা মশক ওইদুনা (সাংগন্দুন) নবদ্বীপ্তা ফোংদোক্লে। ব্রজগী বিশাখানা—রামানন্দ রায় ওইরে, রূপমঞ্জরীনা শ্রীরূপ গোস্বামী ওইরে; পূরমক অসি প্রভুগী মশাগী শক্তিনা ওইবনি।

২৪। "কৃষ্ণচৈতন্য সংজ্ঞকং ঈশং" গী অর্থ তৌজগ্র। স্বয়ং ভগবান—অশেংবা ভগবান; কনাগীসু সাইওন্ নত্তবা, মাঙোন্দগী চোংথোকাখবা (থাকখিবা) তাক্লা ওইবা। শ্রীনারায়ণচিংবসু ভগবানি, তৌইগুম্বসুং স্বয়ং ভগবানদি নত্তে; শ্রীকৃষ্ণদগী থোরকপা ওইনা খঙ্বৈ।

সাবরণে প্রভুরে করিয়া নমস্কার।
এই ছয় তেঁহো যৈছে—করি সে বিচার ॥২৫
যদ্যপি আমার গুরু চৈতন্যের দাস।
তথাপি জানিয়ে আমি তাঁহার প্রকাশ ॥২৬

অর্থ :—

কুয়োম খিবিকা লোঙইননা প্রভুদা খুরুমজে।
তরুগনি শ্রীচৈতন্যগী সাইওন্নি নাংজে ॥২৫
অহুবু ঐগী গুরুদি চৈতন্যগী মনাইনি।
অদুম ওইনমক্ নীংজরি মকাক্লা ওইবনি ॥২৬

২৫। কুয়োম—ইবুংঙো মহাক্কী মাইকৈ মথিদ তাক-শেন্দুনা সেবা তৌরিবা অহুব কুয়োম কৌই, ইমুং-মনুংসু কৌই। প্রভুদা—শ্রীমন্ মহাপ্রভুদা। শ্রীমন্নিত্যানন্দ প্রভু, শ্রীমদদ্বৈত প্রভু, শ্রীলগদাধর পণ্ডিত গোস্বামী অমসুং শ্রীবাসনচিংবা ভক্তশিংবু শ্রীমন্মহাপ্রভুগী কুয়োম কৌই, ইমুং-মনুং কৌই। নিত্যসিদ্ধ ওইবা, ইমুং-মনুংগী মরক্তা কনা-কনাগুম্বনা ভগবান মশাগী অংশনি, মথুদি—শ্রীনিত্যানন্দ অমসুং শ্রীঅদ্বৈত। কনা-কনাগুম্বনা মহাক্কী শক্তিনি নত্রগা শক্তিদগী থাইবনি; মথুদি—শ্রীগদাধরনচিংবা নিত্যসিদ্ধ ওইবা জীবশিংন

ইমুং-মচুংগী মচুং চল্লী ; অদুগা ভক্তি সাধন্ তৌবদা সিদ্ধি ফংলবগী মতুংদা সাধনসিদ্ধ জীবসু ইমুং-মচুংগী মচুং চল্লী ; নিত্যসিদ্ধ অমসুং সাধনসিদ্ধ জীব পুম্নমক অসি শ্রীমন মহাপ্রভুগী ইমুং-মচুংগী মচুং চল্লী, "শ্রীবাসনচিংবা" বাহৈদা চিংবা হাঈকরিবা অসিগী মরমদি—ময়াম অসি ভক্ততত্ত্বগী মচুং চল্লী হাঈবা উৎপনি ।

তরুক্নি—কৃষ্ণ, গুরু, ভক্ত, শক্তি, অবতার অমসুং প্রকাশ (কোংদোকপা) মখক্তা হাঈজখয়ে ; কৃষ্ণনা তরুক্নিগী মশক ওই । ১ । ১ । ১৫ হৌজিক শ্রীকৃষ্ণনা তরুক অসি ওইবগী (বিলাস ওইবগী) মরম মথাগী পয়ারদা উহন্জরি ।

গৌর-কৃপা-টীকা

২৬ । শ্রীকৃষ্ণনা গুরুগী মশক ওই (বিলাস ওই) হাঈবা, অহানবদা উচ্চরি পয়ার ২৬-২৯ দা । গুরু মখল অনীনি—দীক্ষাগুরু অমসুং শিক্ষাগুরু । পয়ার ২৬ । ২৭ তা দীক্ষাগুরুগী বা হাঈজরি ।

পয়ার অসিদা কবিরাজ গোস্বামীনা দীক্ষাগুরুগী তত্ব হাঈরি অমসুং গুরুগী মফমদা শিষ্যনা করম্বা ভাব নীংজগদগে হাঈবা অদুসু হাঈজরি । "অদুবু ঐগী গুরুদি শ্রীচৈতন্যগী মনাইনি ; অদুব ওইনমক নীংজবি মহাক্না ওইবনি ।" মফম অনিদা 'মহাক্না ওইবা' হাঈবা অসিগী অর্থদি আবির্ভাব, কাওবিরক্পা অমসুং প্রকাশ, কোংদোকপিরক্পা, হাঈবনি । শ্রীগুরুদেবদি শ্রীচৈতন্যগী হাঈবদি শ্রীকৃষ্ণগী চান্নখোইবা ভক্তনি ; মাসিনা দীক্ষাগুরুগী স্বরূপনি (মশক্নি), তত্বনি । শ্রীগুরুদেবগী মশক অসি শ্রীকৃষ্ণগী-চান্নখোইবা ভক্ত ওইরবসু শিষ্যনা গুরুবু, শ্রীকৃষ্ণনা ওইবনি (শ্রীকৃষ্ণগী আবির্ভাবনি) হাঈনা নীংজগনি ।

দীক্ষাগুরুগী মশক অসি শ্রীকৃষ্ণগী চান্নখোইবা ভক্তনি হাঈবগী প্রমাণ য়াম্না লৈ ;—

(১) শ্রীমন, মহাপ্রভুগী তুং ইল্লিবা বৈষ্ণব-সম্প্রদায়গী ভজন-পদ্ধতিদা (লাইনীং লম্বেন্দা), নবদ্বীপ ভজন্দা শ্রীগুরুদেববু শ্রীগৌরাঙ্গগী ভক্তনি হাঈনা বাখন তৌবা অমসুং বৃন্দাবনগী ভজন্দা নীংবদা মাবু (গুরুবু) সেবাদা হৈ-শিংবী থবাই য়াওবী মঞ্জরীগী মশক ওইনা নীংনবনা, নিয়ম ওইনা চৎলৈ । কনাগুম্বা বৈষ্ণব-সাধকশিংগী গুরু-প্রনালিকা অমসুং সিদ্ধ প্রনালিকা য়েংলগসু থওবা উদগনি । ব্রজগী মধুর ভাবগী ভজন্দা সেবাদা শ্রীগুরুদেবনা ওইবা মশক্কী মরমদা শ্রীল নরোত্তমদাস ঠাকুর-মহাশয়না হাঈরম্মী ।

"গুরু রূপা সখী বামে, দাঁড়ায়ে ত্রিভঙ্গ ঠামে" ।

(২) শ্রীল রঘুনাথ দাস-গোস্বামীগী মনঃ শিক্ষাদা হাঈরি—

"হে মন (মোন) শচীনন্দন শ্রীগৌরসুন্দরবু শ্রীকৃষ্ণ ওইনা অমসুং শ্রীগুরুদেববু শ্রীকৃষ্ণগী অচান্‌বা ভক্তনি হায়না অত্তংপা চৈতনা নীংশিঙু ।

(৩) স্বয়ং ভগবাননা হায়রম্মী—ঐনা ভক্তদা লুনা তৌবা অসি কনাগুম্বনা খঙ্গুনা, ঐগোন্দা থমোই কংলবা ভক্তশিং অমসুং সংসারগী অপাম্বা চৈত্রবা মী অমুদা গুরু ওইজনবগীদমক খুরুম্জরবদি ঐনা য়াম্না লুনা তৌই !

(৪) শ্রীবিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তিপাদ না মহাকী গুর্বষ্টকতা ইরম্মী—"শাস্ত্র পুম্নমক্তা শ্রীগুরুদেববু শাক্ষাৎ হরিগী মশক্কি হায়না হায়রম্বসু মহাক্কি শ্রীকৃষ্ণগী অচানবা ভক্তনি ; ঐনা অদুম ওইবা গুরুদেবগী শীচরণারবিন্দদা খুরুম্জরি" ।

(৫) শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীগী শ্রীবৃহদ্‌ভাগবতামৃত লাইরিক্তা গুরুদেববু শ্রীভগবানগী অচানবা মনাইনি হায়না উৎলি । শ্রীগোপালকুমারদা শ্রীভগবাননা হায়রম্মী—ব্রজদা নংনা চৎলিবসু ঐনা য়াম্না মুংশিনবা নাগী গুরু অমত্তা উবগনি অমসুং নাগী গুরু অদুগী কৃপানা মরম পম্নমক নীংলিনা খঙ্‌বা ঙমগনি ২ । ২ । ২৩৬ ॥

কনাগুম্বনা হংবা য়াই, শ্রীগুরুদেবগী তত্ত্ব অসি শ্রীকৃষ্ণ নত্রবদি মমাংগী পয়ার ১৫ দা অস্‌রুম্না করিগী হায়রিবনো ? "কৃষ্ণ, গুরু ভক্ত শক্তি, অবতার, প্রকাশ ওই । কৃষ্ণনা মশক তরুক্নি ওইদুনা বিলাস ওই ॥" বহং অসিদা অস্‌রুম্না খুম্ব য়াই—তত্ত্ব তরুক অসিগী মথুংদা গুরু লৌনা আত্তপ্না তত্ত্ব মত্তা অসিদি হায়বদি 'কৃষ্ণ, ভক্ত, শক্তি, অবতার, প্রকাশ" তত্ত্ব মত্তা অসিদি পোৎশক অমত্তনি মশক খেন্নবা লৈতে, মসি পঞ্চতত্ত্বগী অর্থদা তশেংনা হায়রি । "পঞ্চতত্ত্বদি অমত্তম খেন্নদবনি । রস চুপকে হায়দুনা মত্তা থোক্না পুথোক্‌পনি ॥ ১ । ৭ । ৪ ॥" চৌদ্দ (লাইমাং লৌবা) গী মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী অচানবা ভক্তগী মশক ওইবা গুরগী পমোইদা কৃষ্ণনা শক্তি পীবী, শক্তি অদুগী মশক ওইনা মহাক্না গুরুদা চংঙি (বিলাস ওই) । ১ । ৭ । ৫ । পয়ারগী টীকা লোইরমদাইদা য়েংবিয়ু মৌজিক কনাগুম্বনা হংবিবা য়াই, ভক্তি শাস্ত্রগী মতুং ইন্না শ্রীগুরুদেবগী মশক অসি শ্রীকৃষ্ণগী অচান্‌বা ভক্ত ওইরবদি মহাকপু শীকৃষ্ণগী প্রকাশনি হায়না পুক্নিংদা নীংঙুবগী করি কান্নবা মরম লৈবগে ? শাস্ত্রদ গুরুবু শাক্ষাৎ কৃষ্ণনি হায়রুবগী মরম কারিনো ?

মী অনি পুকচেন-খোইজেন তিম্নমা য়াম্না চান্নরবদি মখোয় অনিগী থম্মোই অমু মাদৈ খেন্নদে, অদুগুম্মদনা শ্রীগুরুদেব অসি শ্রীকৃষ্ণগী য়াম্না চান্নবা ভক্তনি হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণগা পুক্নিং মাদৈ, খেন্নদে ; মুংশিনরিবা মফমদা খেন্নবা লৈতে । ভক্তি সন্দর্ভদা শ্রীজীব গোস্বামীনা সিদ্ধান্ত পীরি—শ্রীশিব অমসুং শ্রীগুরুদেব অনি অসি ভগবানগী অচান্‌বা, মুংশিনবা মীশক্তি হায়দুনা অশেংবা ভক্তশিংনা শ্রীভগবানগা মখোয়গা খেন্নদৈ হায়না নীংনদে । ২১৩ ॥

গুরু মমল্লং ঈশ্বর অনি অসি থম্মদে হাঙৈনা পাণ্ডীতাক্কি শাস্ত্রদা কৈয়বনু অশেংবা ভক্তশিংনা অস্সুম্বা নীংঙৈ গুরুবু ঈশ্বরগী চাম্বং মরুপ নক্লগা চাম্বা মনাইনি হাঙৈনা বাখল তৌই ।

শ্রীমদ্‌ভাগবত্তা স্কন্ধ তরামাপোইগী শ্লোক্তা হাঙৈরি- গুরুবু কৃষ্ণ ঐমক্কি হাঙৈনা নীংগদবনি, কৈদৌঙৈদনু মহাক্কী য়াথং হিক্লোককদে ; মীওইবগী বুদ্ধিদা কৈদৌঙৈদনু মাগী মকমদা শাখদে ; মরুম্দি গুরুদি শাক্ত পুম্নমক্কী মশাক্কি (সর্ব্বদেবময়) ! শ্রীমদ ভাগবতকী প্রমাণগী মতুংইন্না শ্রীগুরুদ বু শ্রীকৃষ্ণগা খেংদে হাঙৈনা নীংকম থোকই ; হিবদ অসিদা মাহৈ অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী আচান্না ভক্তনি হাঙৈনা বাখল তৌকবগী মরম করিনো ? পাওথুম—পূজা অর্চ্চনগী মথক্তা শঃ ভঃ বিঃ ৪ । ১২৯) উবা ফংই ; শ্রীকৃষ্ণ মশানা হাঙৈরম্মী—“অহানবদা শ্রীগুরুদেব পূজা তৌবগা মতুংদা ঐবু পূজা তৌগদবনি ; মতৌ অস্সুম্না তৌরবদি মী অদুগী ভক্তি যোগদা সিদ্ধি ফংবা ঙমগনি ; নত্রগদি মানা তৌজবা পুম্নমক শরেম্নে ।” প্রমাণ অসিদ স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণগ গুরুদেবগা খেৎনৈ হাঙৈবা উংলে (অহানবদা গুরু পূজা অমসুং এবদা কৃষ্ণ পূজা, বিধি অসিদগী খঙবা ঙম্মিবদি গুরুগা কৃষ্ণগা পোংশক অমত্তা নত্তে) । শ্রীগুরুবু কৃষ্ণনা হাঙৈনা পুক্নিংনা নীংঙু হাঙৈরিংগী মরমদি শ্রীগুরুবু শ্রীকৃষ্ণগুম্না মাম্নবা পূজা তৌ হাদবনি , মাগক্তা শ্রীকৃষ্ণদা পূজা কংদবা অদুগুম শ্রীগুরুদনু পূজা তৌকম থোকই । গুরুগী মফমদা ভক্তি লৈদবা অদুগুম্না গুরুগী মফমদা ভক্তি লৈবা ঙমবদি মী অদুগী মফমদা তারগী মশক অদু উবনী । শাস্ত্রদা অস্সুম্না হাঙৈরি — গুরুনা ব্রহ্মানি, গুরুনা বিষ্ণুনি, গুরুনা মহেশ্বরনি, গুরুনা পরব্রহ্মনি হাঙৈরিবা বা অসিগী ভাবতি কারনে। হাঙৈবদ ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব, পরব্রহ্মদা পূজা তৌবদোনা গুরুদনু পূজা তৌ হাঙৈবা বানি । গুরুদেববু শীতৃশ ওম্না পূজা তৌগদংনি হাঙৈবসি খঙনবগীদমক থোরাং তৌবনি অমসুং গুরুবু কৃষ্ণকনু ওইদি কৃষ্ণনা কোংদোকপনি হাঙৈনা পুক্নিংদা নীংননবগীদমক থোরাং তৌবনি ; পাক্লোংবদি গুরুদি কৃষ্ণ নত্তে কৃষ্ণনা কোংদোকপনু নত্তে ।

গুরু কৃষ্ণরূপ হন শাস্ত্রের প্রমাণে ।
গুরুরূপে কৃষ্ণ কৃপা করেন ভক্তগণে ॥২৭

অর্থ :—

শাস্ত্র প্রমাণদা কৃষ্ণগী মশক ওই গুরুনা ।
ভক্তশিংদা কৃপা তৌই কৃষ্ণনা গুরু ওইনা ॥২৭

গৌর-কৃপা-টীকা

মরমদি— কৃষ্ণদি অমত্তনি অনি গুদে ; গুরুদি য়াম্না থম্বা য়াই। কৃষ্ণনা কোংদোকপন্থু কৃষ্ণগী মায়না নবকিশোর, নটবর, গোপবেশ বেণু পাইকম থোকই শরৎ-ঋতুগী রাস শায়বদা গোপী জন অনিগী মরক্তা কৃষ্ণ অমমম লৈখিবন্থু মশক-মতৌ কাপ্পন্থু খেন্নবা লৈখিদে, মূর্ত্তি পূন্নমক অদু শ্রীকৃষ্ণনা ওনবা কোংদোকপা তাক্তনি। শ্রীগুরুদেবনা শ্রীকৃষ্ণগী কোংদোকপা ওইরবদি মশক মায়কম মওং মায়কম্ থোকই ।

শ্রীগুরুদেব অসি ভগবানগী অচান্বা মনাই ভক্ত ওইরবন্থু শিষ্যনা মখু ভগবানগী আবির্ভাবনি (ভগবানা ওইবনি) হাইনা পুক্নিংনা নিংগনি। অচম্বা খাইদগী মীগুম্বা নীংবা তৌহেদে। শ্রীভগবানা সাক্ষাৎ ওইনা কনাদন্থু দীক্ষা পীদে—মহাক্কী অচান্বা মনাইদা গুরুগী শক্তি পীরগা মহুনা ভক্ত ওইবা পামজরিবশিংগী নীংবা খুংহল্লী। শ্রীগুরুগী মক্দা শ্রীকৃষ্ণগী গুরু-শক্তি কাওই হাইদুনা শ্রীগুরুদেবদা শ্রীকৃষ্ণগী আবির্ভাব মথল অমনি হাইনা নীংগনি। মরম অদুনা শিষ্যগী মফমদদি শ্রীগুরুদেব অসি শ্রীকৃষ্ণগুম্বনি। শ্রীকৃষ্ণনা জীবদা কংহন্নীংবা পোৎ অদু সাক্ষাৎ চোংথোক্নবা পীবিদে, অচান্বা মনাই ভক্তদা গুরু-শক্তি হাপ্পগা কংহল্লী ।

২৭। গুরু—দীক্ষা গুরু। কৃষ্ণগী মশক—কৃষ্ণগুম্বা পূজা তৌবা। শ্রীকৃষ্ণনা গুরুগী মশক ওইদুনা ভক্তশিংদা কৃপা তৌবি, গুরু ওইনা কৃপা তৌবি- শ্রীগুরুদেবদা শ্রীকৃষ্ণনা লৈরগা ভক্তশিংদা কৃপা তৌবি। শ্রীগুরুদেব অসি শ্রীকৃষ্ণগী অচানবা ভক্তনি হাইনা মখোী পনায়দা হাইরে ; মরম অদুন শ্রীগুরুদেবগী থমোইদা শ্রীকৃষ্ণনা মতমথেনবা-খিবক্তা কাওদুনা, ডান্দুনা লৈ ; অদুগা ভক্তগী থমোইদন্থু শ্রীকৃষ্ণনা পোত্থাদুনা লৈ। শ্রীকৃষ্ণ মশামক্তা হাইরমী—"সাধুশিংনা ঐগী থমোইদা, ঐনা সাধুশিংগী থমোইদা লৈ। সাধবো হৃদয়ং মহ্যং সাধুনাং হৃদয়ন্ত্বহম্। শ্রীভা ৯। ৪। ৬৮ ॥১৭

তথাহি শ্রীভাগবতে (১১। ১৭। ২৭)—
আচার্য্যং মাং বিজানীয়ান্নাবমন্যেত কর্হিচিৎ।
ন মর্ত্ত্যবুদ্ধ্যাসূয়েত সর্ব্বদেবময়ো গুরুঃ ॥১৮
শিক্ষাগুরুকে ত জানি—কৃষ্ণের স্বরূপ।
অন্তর্য্যামী ভক্তশ্রেষ্ঠ—এই দুইরূপ ॥২৮

অর্থ :—

শিক্ষাগুরুবু কৃষ্ণগী মশক্কি মীংগনি।
অন্তর্য্যামী, অখোইবা ভক্ত মশক্ অনিনি ॥১৮

গৌর-কৃপা-টীকা

ভক্তশিংনা মাবু ফংননবগী উপায় অহুম্ শ্রীকৃষ্ণ মশামক্না তাকলী, "দদামি বুদ্ধি যোগং তং যেন মামুপযান্তি তে গীতা ১০ ১০॥" নিংথৌনা অয়াম্না কম্দা চখোকখ্রিবৈদো অচান্‌বা মনাই অমন' মহুৎশিন্দুনা লৈব'ক্ তাক্পগুম্। শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি অহু শ্রীগুরুদেবনা শিজিন্নহুনা মীবু লাইমি' লৌবিহুনা দীক্ষা পীবিহুনা কৃপা ফংহল্লী, মরম অহুনা শ্রীগুরুদেববু কৃষ্ণগুম্না পূক্নিংনা নীংনকম 'থাক্‌ই অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা গুরু ওইনা ভক্তশিংদা কৃপা পীবি। পয়ার অসিগী প্রমাণ ওইনা "আচার্য্যমাং" শ্লোক উচ্চরি।

শ্লোক। ১৮। অন্বয়। আচার্য্যং (দীক্ষাগুরুবু) মাং (ঐ—শ্রীকৃষ্ণনি হায়হুনা নত্রগা ঐগী ভক্তনি হায়হুনা) বিজানীয়াৎ (খঙ্‌নগনি), কর্হিচিৎ (কৈদৌঙৈদম্) ন অবমন্যেত (থৌওইদবা তৌকরোই) মর্ত্তবুদ্ধ্যা (মীনি হায়হুনা খন্দুনা) ন অসূয়েত (অকাইবা য়েংকরোই, দোষ লৌকরোই); [যতঃ] (মরম অহুনা) গুরু (গুরুদেবদি) সর্ব্বদেবময় (লাই পুম্নমক্কী মশক্কি)।

অনুবাদ। শ্রীভগবান্না হায়, হে উদ্ধব! শ্রীগুরুদেববু কৃষ্ণ ঐনি খন্দুনা নীংগনি; কৈদৌঙৈদম্ থৌওইদবা তৌকরোই মাগী মাথং হিক্তোকপা তৌকরোই, অমসুং মীনি খন্দুনা (থ্বাইগী মীগী অম্‌হানি খন্দুনা) অকাইবা য়েংকরোই; মরম্‌দ শ্রীগুরুদেবদি লাইপুম্নমক্কী মশক্কি। ১৮ (শ্রীমদ্দাস গোস্বামীনম্ হায়রম্মী, হে মন ('থান, পুক্নিং) গুরুদেববু শ্রীকৃষ্ণগী অচানবা মনাই ওইনা নীংঙু)। গুরুদেববু থৌওইত্রবদি নাম-অপরাধ কৌই (হরি ভক্তি বিলাস ১১। ২৮৪)। নাম-অপরাধ লৈরবদি শ্রীহরিনাম্ শোন্‌বদা প্রেম পোকপা ঙমদে। গুরুদেবনা শাওরবদি লাই পুম্নমক্না শাওবগা মান্নৈ, গুরুদেবনা পেন্নগা লাই পুম্নমক্না পেন্‌বগা মান্নৈ।

২৮। দীক্ষাগুরুগী বারম্ হায়রবগী মতুংদা শিক্ষাগুরুসু শ্রীকৃষ্ণগী মশক্কি হায়না উচ্চরক্কি পয়ার ২৮—৩১ দা। শিক্ষা গুরু মথম অনিনি—(১) অন্তর্য্যামী পরমাত্মা অমসুং

তত্রৈব) ১১। ২৯। ৬)—

নৈবোপযন্ত্যপচিতিং কবয়স্তবেশ
ব্রহ্মায়ুষাপি কৃতমৃদ্ধমুদঃ স্মরন্তঃ ।

যোঽন্তর্বহিস্তনুভৃতামশুভং বিধুন্ব-
ন্নাচার্য্য চৈত্ত্যবপুষা স্বগতিং ব্যনক্তি ॥১৯

গৌর কৃপা-টীকা

(২) অখোইবা ভক্ত। অহানবদা, অন্তর্য্যামী শিক্ষা গুরু শ্রীকৃষ্ণগী মশক্তি হায়বদু উচ্চরি, ১৯—২২ শ্লোকতা।

অন্তর্য্যামী—জীব খুদিংমক্কী অন্তর্য্যামী পরমাত্মা; ক্ষীরোদশায়ী নারায়ণা জীব খুদিংমক্কী অন্তর্য্যামী ওইনা জীবগী থমোইদা লৈ। (শ্লোক ১১ টীকা য়েংবিয়ু)। মহাক শ্রীকৃষ্ণগী অংশান হাঈহুনা শ্রীকৃষ্ণগী মশক্তি। মহাক জীবগী অন্তর্যামীনি হায়বদি মপুনি; জীব খুদিংমকপু মহাক্না অক-কত্ত ইঙ্গিত খঙহল্লী; থমোই শেংবা মীশিংনা পরমাত্মাগী ইঙ্গিত অদু খঙবা ঙম্মী। মীশিংনা, মপান্দা দীক্ষাগুরুদা নত্রগা অতোপ্পা ভক্তগী মকমদগী ভজুজরবা মরম অদু, অন্তর্য্যামী পরমাত্মানা মখোইগী থমোইদা খঙহল্লী। অক-কত্তগী মরমদা ইঙ্গিত তৌবি হাঈহুনা অমসুং ভজুজরিবা মরম অদু তাব তাহল্লী খঙহল্লী হাঈহুনা অন্তর্য্যামীবুসু জীবগী শিক্ষাগুরু ওই।

অখোইবা ভক্ত—য়াম্না শেংলবা ভক্ত। মহাকী খুদমদি—শাস্ত্র য়াম্না হৈবা, শাস্ত্রগী মতুংইন্না চংপা ওম্বা ভক্ত; তত্ত্ব-বিচার হৈবা, সাধন—বিচার হৈবা, নীংগদবদি শ্রীকৃষ্ণতনি হাঈনা খঙবা, ভক্তিগী মরমদসু য়াম্না থাক্ বাংনা লৈবা, ভক্ত অদু শিক্ষা গুরু ওইবদা মতিক চাবে হাঈনা খঙগনি; মরমদি, মহাক্না শাস্ত্র অমসুং যুক্তিদা য়াম্না হৈ-শিংবা মরম্না শিষ্যদা পাওতাক পীবা খুদিংদা ভাব তানা খঙহনবা ঙম্মী। অসিগুম্বা কনাগুম্বা ভক্ত অমগী মকমদগী কনাগুম্বা মী অমনা ভজনগী (সেবাগী) মরমদা করিগুম্বা পাওতাক লৌজরবদি ভক্ত অদু মী অদুগী শিক্ষা গুরু ওইরে।

শ্লোক। ১৯। অন্বয়। হে ঈশ (হে প্রভো!) যঃ (নংনা) আচার্য্য-চৈত্ত্যবপুষা (মপান্দা গুরু ওইহুনা পাওতাক পীরগা অমসুং মনুংদনা অন্তর্যামী ওইনা অকবা থাথনা) তনুভৃতাং (মীওইবশিংগী) অশুভং (মায়া সংসারগী অপাম্বনচিংবা ভক্তিগী য়েক্নবা ওইবা কত্তবা মরমু) বিধুন্বন্ (কোকৃথকুনা) স্বগতিং (নংগী নশক অমসুং নং ফংনবা লম্বীবু) ব্যনক্তি (ফোংদোকই), কবয়ঃ (ব্রহ্ম খঙবশিংনা) ব্রহ্মায়ুষাপি (ব্রহ্মাগা মাদনা পুন্সিরবসু) তব (নংনা) অপচিতিং

গৌর কৃপা—টীকা

(কাম্লনবা তৌবিবগী লমনশিংবা তৌবিমল উংপা) নৈব উপযান্তি (ওমদে, ফংদে) ; কৃতং (মখোঈনা, নংনা কান্নবা তৌবা অদু) স্মরন্তঃ (নীংশিংদুনা) ঋদ্ধমুদঃ (য়াম্না নুংঙাই)।

অনুবাদ—শ্রীউদ্ধবনা ভগবান্দা হাঈরম্মী—হে প্রভো! মপান্দা গুরু ওইনা তম্বগী পাওতাক পীরগা অমসুং মনুংদনা অন্তর্য্যামী ওইনা অকবা য়াখন্ পীবদুনা, মীওইবশিংগী ভক্তিগী মরমদা য়েরুবা ওইবা মায়াগী অপাম্ববু কোকহন্দুনা নংনা নংগী নশক্ (নং ফংজনবা লম্বিবু) কোংদোক্ল্না খঙহল্লিবগী লমান্দ ; ব্রহ্ম খঙ্বশিংনা ব্রহ্মাগা মামনা পুন্সিদুনসু নংনা মীওইবদা কান্নবা তৌবিবগী লমন্ খুদ্ম হাঈবদি তৌবিমল উংপদি ওয়রোই ; মংনা কান্নব' তৌবিন্নিবা য়া অদু মখোঈনা নীংশিংজরগা য়াম্ম' নুংঙাইজবা হেনগৎপদা মঙাইরে। ১৯।

শ্লোক অসিদা ভগব'ন্না জীব পুম্নমকী অবাব' কত্তবা কোকহল্লী হাঈরি।

কত্তবা, অবাবা করিনো? অফবগী ওন্ন-তৈনবা অদু কত্তবনি, অবাবনি। ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অমসুং মোক্ষ (ধর্ম্ম, শেল, অপাম্বা, অয়ান্খুবম্ ফংব') শীদমক নীংলিবা অদু কৃষ্ণ ভক্তিগী অপন্বা ওই হাঈদুন' জীবগী মকমদদি কত্তবা ওই। শ্রীভগবান্না জীবগী কত্তবা পুম্নমক অসি কোকহন্দুনঃ মখোঈগী খযোইদা ভক্তি পোকহল্লী। ভক্তি পোক্লক্লবদি দোষ পাপ পুম্নমক কোকপ্লে, মতম অদুদা ভগবান্না মী অদুগী খম্মোইদা লৈদুনা জীববু য়াম্না নুংঙাইবা পীবি।

মতোকয়ম্ন' নুংঙাইবা পীবগে হাঈন্দা আচার্য্য-চৈত্ত-বপুষা—আচার্য্য ওইনা অমসুং চৈত্ত ওইনা। আচার্য্য—দীক্ষাগুরু, শিক্ষ'গুরু অনিমকপু খঙ্নৈ। ভগবান্না দীক্ষাগুরুগী মশক ওইরগা দীক্ষ' মন্ত্র পীবিদুনা ভজন্দা মাই ওন্সিনহল্লী অমসুং ভক্ত অথোইবা শিক্ষা গুরুগী মশক ওইদুনা ভজনগী পাওত'ক পীদুনা ভক্তিগী মশ' নোইহল্লী হাঈবদি ভক্তি কজহল্লী। অদুগা চৈত্ত (অন্তর্য্যামী-পরমাত্মা)গী মশক ওইনা গুরুদা চংজবা অমসুং সাধু সঙ্গ তৌ'বা পামহন্দুনা ভজনগী লম্বীদা পুশিন্বি।

মতৌ অসুম তৌদুনা শ্রীভগবান্না জীববু য়াম্না নুংঙাইহন্দুনা সংসারগী অবাববু কাউহল্লী। ভগবান্গী মকম্দগী লাইবক্ ফবা জীবশিংনা শীংথাবা ওমদনা কান্নবা ফংলিবা অসিগী লমন অমুক শিংবেদি ওম্বা লৈত্রে। অতোপ্পগী য়াদি থমথিসি, ব্রহ্ম খঙবা অমসুং ভজন্দা য়ান্না হৈ-শিংলবা, মখোঈনসু ভগবান্দগী মখোঈনা ফংলিবা কান্নবা অসিগী লমন শিংবা ওমনবগীদমক, ব্রহ্মাগী মপুন্সিগা মামনা কুইনা ভগবানগী সেবা তৌদুনসু লমন্ শিংবা ওমদে ; মরমদি, ভজনগী, সেবাগী মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা মখোঈদা মতং-মথং হেন্জিন্না নুংঙাইবা পীবিবগী পোথাবা লৈত্তে।

তথাহি শ্রীভাগবদ্গীতায়াম্ (১০।১০)
তেষাং সততযুক্তানাং ভজতাং প্রীতিপূর্ব্বকম্।
দদামি বুদ্ধিযোগং তং যেন মামুপযান্তি তে ॥২০
যথা ব্রহ্মণে ভগবান্ স্বয়মুপদিশ্যানুভাবিতবান্।
তথাহি (ভা: ২।৯।৩০—৩৫)
জ্ঞানং পরমগুহ্যং মে যদ্বিজ্ঞানসমন্বিতম্।
সরহস্যং তদঙ্গঞ্চ গৃহাণ, গদিতং ময়া ॥২১

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক অসিদা উহল্লিবদি, শ্রীকৃষ্ণনা দীক্ষাগুরু অমসুং অথোইবা ভক্ত ওইনা জীববু কৃপা তৌবি ; অমহিকসুং অন্তর্য্যামি-পরমাত্মাগী মশকওইনসু জীববু তম্বি (শিক্ষা'গী)।

শ্লোক ২০। অন্বয়। সততযুক্তানাং (অতৎপা লৈত্তনা ঐঙোন্দা নীংজবা) প্রীতিপূর্ব্বকং ভজতাং (মীশিং অহুনা ঐবু মুংশিবগা লোঈননা নীংবা) তেষাং (মখোঈবু) তং বুদ্ধি যোগং (অহুম ওইবা বুদ্ধি যোগ) দদামি (ঐনা পী) যেন (অহুম ওইবা বুদ্ধি অহুনা) তে (মখোঈনা) মাং উপযান্তি (ঐবু ফংঙি)।

অনুবাদ—শ্রীভগবাননা অর্জ্জুনদা হাঈখি—কনাগুম্বনা ঐবু মুংশিবগা লোঈননা নীংজবদি ঐনা মখোঈ অহুবু বুদ্ধি পীনবি, মহুনা মখোঈনা ঐবু ফংবা ঙম্মী।২০। বুদ্ধি যোগ—উপায়, পান্থে।

করিগুম্বা উপায় অমা থিজহুনা শ্রীকৃষ্ণবু ভজন্ অমসুং সেবা তৌজরবদি শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্য্যামীগী মশক ওইহুনা থমোইদা কাওবিরকই ; মরম অহুনা অন্তর্য্যামীগী মশক ওইনা শ্রীকৃষ্ণনা শিক্ষাগুরুগী থবক তৌই, হাঈবসি শ্লোক অসিনা প্রমাণ ওই।

শ্রীকৃষ্ণবু ফংবা—শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফংবা। জীবদি মহৌশানা কৃষ্ণগী মনাইনি ; মনাইগী মথৌদি মপুগী সেবা তৌবনি ; প্রভুগী মফমদা মনাইনা ফংজনীংলিবসু সেবানি, মরম অসিনা সেবাতনা মনাইগী স্বত্বনি। শ্রীকৃষ্ণগী সেবাতনা মনাই জীবগী স্বত্বনি ; অহুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবতনা জীবগী কৃষ্ণ ফংবা (সিদ্ধ) ওই।

শ্লোক ২১। অন্বয়। যথা (মতৌ অহুম্না) ভগবান (শ্রীভগবান) ব্রহ্মণে উপদিশ্য (ব্রহ্মাদা পাওতাক পীহুনা) স্বয়ং অনুভাবিতবান্ (মশানা থওজহল্লী) :—

বিজ্ঞান সমন্বিতং (থঙ্বা) পরমগুহ্যং (ব্রহ্ম জ্ঞানদগীসু হেন্না ফজবা) যৎ মে জ্ঞানং (ঐগা মরী লৈনবা তত্ত্ব জ্ঞান) ময়া (ঐনা) গদিতং (হাঈরিবা জ্ঞান অহু) গৃহান (নং লৌও)

গৌর-কৃপা-টীকা

সরহস্যং (প্রেম ভক্তিগী মশক ওইবা কজবগা লোইননা) তদঙ্গঞ্চ (জ্ঞান অছুগী শ্রবণচিংবা ভক্তিগী মশক ওইবা পাম্বৈসু) গৃহাণ (লৌয়ো)।

অনুবাদ- শ্রীভগবাননা অন্তর্য্যামী ওইনা ব্রহ্মাদা পাওতাক পীদুনা মশাবু (ব্রহ্মাবু) খঙহল্লী। মদুগী প্রমাণদি শ্রীমদ্ভাগবত্তা কংবি। মদুদি—

শ্রীভগবাননা ব্রহ্মাদা হাঈরম্মী—ব্রহ্মন্। ঐগী মরমদা য়াম্না কজরবা অথুপ্পা তত্ত্ব জ্ঞান্ অদু ঐনা নঙোন্দা হাঈগে নং ভাব তায়ো। ঐনা পীবিবা জ্ঞান অদুনা নংগী থমোইদা লৈরগা খঙবস্ত ঙম্হন্লু, মদু নং ভাব তানা লৌয়ো। মদুদা লৈরিবা কজবা অথুপ্পা মচি অঙ্গসু হাঈরি তাও (লৌ)। প্রেমভক্তি ফংননবা জ্ঞান অদুগী সহায় উপায় লৈবশিং অদুসু হাঈরি তাও, খঙও। ২১।

শ্রীভগবাননা মপান্দা গুরু ওইনা মশাগী রূপ কোংদোকই অমসুং অন্তর্য্যামী ওইনা থমোইদা লৈরগা মশাগী ভাব খঙহল্লী হাঈবসি মথক্কী শ্লোক্তা হাঈখ্রে। মদুগী প্রমাণ ওইনা উচ্চরি; শ্রীভগবাননা ব্রহ্মাদসু হাঈরিবা অসুম্না তৌখি; শ্রীমদ্ভাগবত্তা মদুগী প্রমাণ লৈ। শ্রীভগবাননা মতৌ করম্না ব্রহ্মাদা পাওতাক পীখিবগে অমসুং মতৌ করম্না পাওতাক পীরিবা অদু খঙহন্খিবগে, ভাগবতকী শ্লোক্তা মদু উহল্লী।

ব্রহ্মানা ভগবানগী খোইদৌদা লৈরগা জগৎ শেম্মীংলক্লবদা মতৌ করম্না শেম্গদগে হাঈবা খঙদদুনা মতম কুইনা চিন্তা (বাখন) তৌখি; অদুম ওইনমক্ করিসু খঙবা ঙম্খিদে; মমৈথংদা দৈববানী (আকাশবানী) তৌরক্লে। করি হাঈনা তৌরক্লবগে হাঈবদা "তপ, তপ" (তোপ তৌ তোপ, তৌ) হাঈনা তৌরক্লে, মাদু তাবদা তোপ, তৌবা হৌখরে; তোপ অদুদা পেল্লদুনা শ্রীনারায়ণনা মাবু বৈকুণ্ঠ উহল্লে; ব্রহ্মানা য়াম্না নুংঙাইনা বৈকুণ্ঠগী কমুং-মদুংগা লোইননা শ্রীনারায়ণ উবা ফংজরে। শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মাগী মথুং পাঈদুনা অপাম্বা বোর নিজৌ হাঈনা তাকপিরে; মতম অদুদা ব্রহ্মানা নারায়ণগী তত্ত্ব খঙজবা পাম্লে। অদুদগী শ্রীনারায়ণনা কৃপা তৌবিদুনা "জ্ঞানং পরমগুহ্যং মে" অসিনচিংবা শ্লোক অসিনা ব্রহ্মাদা তত্ত্বগী পাওতাক পীখি।

শ্রীনারায়ণনা হাঈখি, "ব্রহ্মণ্! নংনা ঐগী মরমদা তত্ত্ব জ্ঞান খঙনীংলীবা অদু ঐ হাঈগে, (ময়া গদিতং) নং তাও (খঙও)। মদু ঐ নত্তনা অতৈ কনাসু খঙদে, ঐনা খঙহন্দ্রবদি অতৈ কনানসু খঙবা ঙমদে মরম অদুনা ঐনা নংঙোন্দা হাঈরিবসীনি। (ময়া গাদতং গী গা মচংনি)। গা অমনা করিনো হাঈবদা। ঐগী তত্ত্ব-জ্ঞান হাঈবসি য়াম্না অথুপ্পা (অরুবা) বানি; ঐবু খঙননবগী জ্ঞান, যোগ,

ভক্তি অসিনচিংবা উপায় য়ায়া লৈদি হায়রবু উপায় পুময়মক অদুনা ঐবু নীংথিনা খঙ্বা ওমদে। জ্ঞান মার্গ চৎপা মীনা ঐবু নীংথিনা খঙ্গে হায়না হোৎনবদা খঙ্বা ওমদে, মতান খক্তিকুং খঙ্বা ওমী। যোগ মার্গ চৎপা মীনা ঐবু খঙ্গে হোৎনবদা মপুং ফানা খঙ্বা ওমদে, শরুক খক্তিকুং খঙ্জবা ওমী। অদুগা ভক্তি চংলিবা মীনদি ঐবু নীংথিনা খঙ্জবা ওমী। মরম অদুনা হায়রিবা মী খরতনাঐবু খঙ্জবা ওমী; অদুনা হায়রিবা অসিনি, নংগী নকমদা হায়গে তৌরিবা তত্ত্ব অসি য়ায়া অথুয়নি।"

"ঐনা তত্ত্ব অদু বাহৈদা কোংদোক্লুনা হায়গনি হায়রিবা বা অদু নংনা তাগনি; তারবদি নীংশিংবস্থ ওমগনি. তৌইওবসুং নাকোংনা তারগস্থ বা অদুগী ভাব ভাবদি নংনা ওয়োই। ভাব তাগে হায়রবদি থমোইদা চংননবগী খঙননবগী মচাক অমা চংজি। নং নশানা হেক্তা থমোইদা কাওবা ওয়োই—কনাস্থ ওয়দে; ঐনা অন্তর্যামী ওইনা থমোইদা চংহল্লবদি কনা অমত্তা কাওবা (খঙ্বা) ওয়োই। ঐনা নংগী থমোইদা ঐনা হায়রিবা তত্ত্ব-জ্ঞান অদু কাওহন্গে খঙহন্গে, নং মাহ্ন তারগা লৌশিল্লু। (মসিনা বিজ্ঞান-সমন্বিতংগী বা মচংনি বিজ্ঞান-অখঙ্বা (অনুভব) বিজ্ঞানসমন্বিত—অখঙ্বনা তিল্লবা)।"

"ঐগী মরমদা তত্ত্ব-জ্ঞান লৈরিবা অদুগী মচি অমস্ত লৈরি, মদুস্থ নংঙোন্দা হায়রিবসিনি; নংনা মচি, মরু ওইবা জ্ঞান অদু লৌশিল্লু। রহস্য—মচি ওইবা পোৎ;

প্রেমভক্তি নত্তনা ঐগী তত্ত্ব-জ্ঞান খঙবা ওয়োই; মরম অদুনা প্রেম ভক্তিতনা ঐগী তত্ত্ব-জ্ঞানগী মচিনি, মরুনি; ঐগী কৃপাদগী প্রেম-ভক্তি লৈবা মীতনা ঐগী ইশক খঙ্বা ওমী। অদুম ওইবা প্রেম-ভক্তিগী মশক ওইবা বা অদুস্থ নংঙোন্দা হায়গে, নংনা মদু লৌশিল্লু।"

"প্রেম-ভক্তি ফংননবগী উপায় কয়ামুক লৈ. মদুস্থ নংঙোন্দা হায়গে। শ্রবণ—কীর্ত্তনচিংবা তৌরগা প্রেম-ভক্তি পোক্ই; প্রেম-ভক্তি অদুবু পোক্লবদি ঐগী কৃপানা ঐগী তত্ত্ব খঙজবা ওমী। মরম অদুনা সাধন-ভক্তিবু তত্ত্ব-জ্ঞানগী রহস্যগী মশক ওইবা, মচিগী মশক ওইবা প্রেম-ভক্তিগী অঙ্গনি, উপায়নি। প্রেম-ভক্তিগী মতেং পাংজি হায়দুনা, উপায় তৌই হায়দুনা সাধন-ভক্তিবু তত্ত্ব-জ্ঞানগী উপায়নিস্থ হায়রে। উপায় (মতেং) অসিগী বাস্থ হায়রি, নং লৌশিল্লু। (মসিনা তদঙ্গগী বা-মচংনি। থোং-খুৎ অসিনা হকচাং তারুনবগী উপায়নি, অদুগুমদুনা শ্রবণ-কীর্ত্তনচিংবা সাধন-ভক্তিনা প্রেম-ভক্তি ফংননবগী অমদুং তত্ত্ব-জ্ঞান ফংননবগী উপায়নি হায়দুনা সাধন-ভক্তিবু প্রেম-ভক্তি নত্তগা তত্ত্ব-জ্ঞানগী অঙ্গনি (মশানি, খুৎলাইনি) হায়রিবনি।"

যাবানহং যথাভাবো যদ্রূপগুণকর্ম্মকঃ।
তথৈব তত্ত্ববিজ্ঞানমস্তু তে মদনুগ্রহাৎ ॥ ২২

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক ২২। অন্বয়। অহং (ঐ) যাবান (ওইনীংবস্তা ওইবা তুমগী শক্তিগী চাং) যথা ভাবাঃ (মশক, ভাব, পুকচেন্) যদ্রূপ গুণ-কর্ম্মকঃ (অহুগুরা রূপ-গুণ-লীলা লৈরিবা) তথা (অদুম্না) এব (লপ্না) তত্ত্ববিজ্ঞানং (অরেপ্পা শঙ্বা) মদনুগ্রহাৎ (ঐগী থৌজান্দগী) তে (নংগী) অস্তু (ওইরসনু)।

অনুবাদ—ভগবান্না ব্রহ্মাদা হাঙ্গিরম্মী— "ঐগী থাইদগী অহেন্বা শক্তিগী চাং, ঐগী ভাব পুকচেন, শকক্‌ম্ সংবান্নবা থুং মরি পান্‌থনচিংবা ঐনা ওইবা শক্ পুন্নমক, ভক্তবু মুংশিনা তৌবা গুণ পুন্নমক, ঐনা শান্নবা লীলা পুন্নমক অসিগী থাজেংশংবা অরেপ্পা খঙ্বা হাঙ্গিবদু ঐগী থৌজান্দগী নংনা মরম পুন্নমক্তা খঙ্বা ওইজরো। ২২"

ভগবান্না ব্রহ্মাবু মতৌ করম্না ভাব তাংনবগে খঙহন্‌বগে হাঙ্গিবদু শ্লোক অসিদা হাঙ্গিরি। থৌজান্তনা ভাব তাহন্‌বনি।

থাজবগা লোঙ্গননা সাধন ভক্তি অমুম হোংনজবদগী প্রেম-ভক্তি কাওরক্লবদি ভগবৎ কৃপা ফংবা কৌই। প্রেম-ভক্তিবু কাওজরক্লবা থমোই অদুদি ভগবানবু খঙবদা মতিক চারবা থাক্ য়োদে; তৌইগুম্নদুং সাধন ভক্তি অমসুং প্রেম-ভক্তি অমদি ভগবানবু হেক খঙ্বা ওমদ; শেংনা খঙবা অমসুং ভাব তাবা হাঙ্গিবা অসি ভগবৎ কৃপা নস্তনদি ওইবা য়াদে। মরম অদুনা শ্রীভগবান্না ব্রহ্মাদা বোর (আশীর্ব্বাদ) পীরি—"ঐগী থৌজান্দগী (মদনুগ্রহাৎ) ঐগী মরম পুন্নমক নংনা অরেপ্পা খঙ্বা ওইজরো।"

করিগুম্বা পোৎ অমগী মশক শক্তি অমসুং শক্তি অদুনা করি থবক তৌবা হাঙ্গিবা অদু খঙজরবদি পোৎ অদুগী মশক শেংনা খঙ্বা অমসুং পোৎ অদুগী তত্ত্ব-জ্ঞান খঙবা কৌরি। ভগবতত্ত্বগী মরমদা শেংনা খঙ্বা তারবদি মশক, মহাকী শক্তি অমসুং শক্তি অদুনা করি তৌরিবগে হাঙ্গিবদু খঙ্কম থোকই। অদুনা মরম পুন্নমক অসিগী থুদিংমকপু ব্রহ্মানা শেংনা খঙ্ননবগীদমক ভগবান্না বোর (আশীর্ব্বাদ) পীবিখি।

'যথাভাবঃ"- শব্দনা মশক, "যাবান" অমসুং "যদ্রূপ-গুণ-কর্ম্মকঃ" শব্দনা শক্তি অদুনা করি থবক তৌবা হাঙ্গিবদু খঙ্নরি। থবক অদু উরগা শক্তি লৈ হাইবা খঙ্ই। যাবানহং—ঐগী অপোইবা শক্তিগী চাং কেন্না লৈবা মশক; ঐ য়াম্না চাউবা ঈশ্বরনি, য়াম্না পিকৃপান, ময়াইনি। থাজেংশংবদি শ্রীভগবানদি থাইদগী হেন্না চাউবা পোৎনি; মহাকী হাঙ্গনীংঙাই লৈতবা শক্তিনা গোপগী মিজেং শেংপা বেনু পাঙ্গবা মশকনু ওই।

অহমেবাসমেবাগ্রে নান্যৎ যৎ সদসৎ পরম্।
পশ্চাদহং যদেতচ্চ যোহবশিষ্যেত সোহস্ম্যহম্ ॥২৩

গৌর-কৃপা-টীকা

যথাভাব :—ভাবগী অর্থদি শনীংবা হাঙ্গীবান ; ঐনা নীংবা অহু করিনো হাঙ্গীবা অহু অনীংবগী মতুংইরা থবক ভৌহ, মরম অহুন যথাভাবঃ শব্দনা তটস্থ লক্ষণ খঙ্নৈ, মশক মতৌ খঙ্নৈ।

যদ্রূপ গুণ-কর্ম্মকঃ ঐগী শক মথল মথল, গুণ মথল মথল, থবক মথল মথল। শক, হায়রগা শঙ্নরিবনা সংবামবনচিংবা, পাম্বোম অনি পান্বা কৃষ্ণ, পাম্বোম মরি পান্বা নারায়ণ, রাম-নৃসিংহনচিংবা মশক খঙ্নৈ। গুণ—হাঙ্গীরগা খঙ্নরিবনা ভক্তশিংদা মুংশিনা ভৌববু গুণ শঙ্নৈ।

কর্ম্ম—হাঙ্গীরগা খঙ্নরিবনা লীলাবু খঙ্নৈ, লীলা হাঙ্গীবদি গোবর্দ্ধন থাদংপা লীলানচিংবা।

তথৈব তত্ত্ব-বিজ্ঞানং—মথল মথলগী ঐগী থাইদগী অহেন্বা শক্তিগী চাং, নীংবা, মশক মতৌ লক্ষণ থুংম, গুণ, লীলানচিংবা ভশেং-ভশেনা নংগী থম্মোইদা কাওহনা মথল থুদিংমকী অরেপ্পা খঙ্জবা ওইয়ু।

শ্লোক। ২৩। অন্বয়। অগ্রে (মমাংদা) অহং (ঈ) এব (কেপ্পা) আসং (লৈরম্মী); অন্যৎ (অতোপ্পা) যৎ (অহু) সৎ (অচৌবা) অসৎ (অপিকপ) পরং (অথোইবা) ন (লৈরমদে); পশ্চাৎ (তু মদু) অহং (ঐ) যৎ (মাহু) এতৎ (উদ্বিব জগৎ অসি) চ (অমসুং) যঃ (মাহু) অবশিষ্যেত (অরেম্বা লৈ) যঃ (মহু) অহং (ঐ) অস্মি (ওই)।

অনুবাদ—লৈশেমজিন্দ্রিনগী মমাংদা (অনাদি কালদগী) ইত্থান-হানবদা ঐ লৈরম্মী; অতোপ্পা অচৌবা অমসুং অপিকপা (কৃশ্ন) জগৎ অহুগা মাথাঙ্গী মপা অথোইবা (কারণ যে প্রধান) অহুসু ঐদগী তোঙানবা নতে; লৈশেম্বগী তু মদু ঐ লৈ; উদিবা জগৎ অসিদু ঐনি; প্রলয়গী মতুংদা লেমজবা লৈহৌগদৌরিবা অহুসু ঐনি।

মথকী শ্লোকশা, ব্রহ্মাদা লোর পীহুনা তত্ত্ব-জ্ঞান তাংবদা লৌবা ভম্নবা গতিক চাদবগী শ্রীভগবানগী শ্লোক অসিদা মশাগী মশক তাক্লি। অগ্রে—অহানবদা, মমাংদা, লৈশেম-জিন্দ্রিনগী মমাংদা মহাপ্রলয়দা শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মাদা হাঙ্গীরম্মী—"লৈশেমজিন্দ্রিনগী মমাংদা মহাপ্রলয়দা ঐ লৈ রম্মী।" শ্রীনারায়ণনা থুদোন্কীনা মশাগী লবাক্তা ফিদুনা মশাগী মূর্ত্তি উত্তুনা ব্রহ্মাদা হাঙ্গীরম্মী—"নংগী নমাংদা কেপ্পুরা লৈরিবা ঐগী কজরবা শংবাহবা কৃত্থ থুং মরি পান্বা মূর্ত্তি আসনা নংতোম্দা লৌশিংগী পাওতাক পীরি—ঐগী ইশা অসি মহাপ্রলয়দা লৈরম্মী।"

গৌর-কৃপা টীকা

অন্যৎ—অতোপ্পা, অতোপ্পা জাৎ। শ্রীভগবান্দগী তোপখিবা অতোপ্পা জাৎ করিনো ? মসু হায়রবদি—সৎ (অচৌবা জগৎ), মাইকৈ মরিদা উরিবা পোৎ পুন্নমশ্লিনি। অসৎ (অপিকপা জগৎ), উরিবা জগৎ অসি ওইত্রিদ্রৈগী মমাংগী ফিবম। পরং—অচৌবা অমসুং অপিকপা জগৎকী মপা অথোইবা, জগৎকী মচাক ওইবা সত্ত্ব-রজ-তম গী মশক ওইবা প্রকৃতি-মায়া মথোয় অসি অরেপ্পা পোৎ নত্তে (জড়বস্তুনি); অদুগা শ্রীভগবান্দি চিদবস্তুনি, অরেপ্পা পোৎনি ; মরম অদুনা মথোঈশিং অসি শ্রীভগবান্দগী অতোপ্পা পোৎনি ; (বিজাতীয়....বস্তুনি) ; মহাপ্রলয়গী মতমদা পুন্নমক অসি তোঙাপ্পা লৈরমদে, মরমদি, মহাপ্রলয়দা অচৌবা জগৎনা অপিকপদা অমসুং অপিকপা জগৎনা অথোইবদা তিনশিন্দুনা লৈ, অদুগা অথোইবা অদুসু মতম অদুদা ভগবানগী সক্ষতা তিন্দুনা লৈ ; মরম অসিনা মহাপ্রলয়দা মথোই পুন্নমশ্লি তোঙান-তোঙাপ্পা লৈদে। শ্রীভগবান্না হায়রম্মী— “মহাপ্রলয়দা ঐ লৈরম্মী ; উরিবা জগৎ অসি লৈরমদে ; জগৎ অসিগী অপিকপা (অরূপ্পা) ফিবমসু লৈরমদে অমসুং জগৎকী মপা (কারণ) ওইরিবা প্রকৃতি (মায়া) সু তোঙাপ্পা লৈরমদে, প্রকৃতিদি ঐতোন্দা (ঐগী সঙ্কর্ষণগী মশক্তা) চংদুনা লৈরম্মী (শ্রীধর স্বামী)।” শ্রুতি-স্মৃতিদা অসুম হায়না প্রমাণ ফংই। সৃষ্টিগী মমাংদা লৈশেমত্রিদ্রৈগী মমাংদা বাসুদেব অমসুং নারায়ণদি লৈরম্মী, ব্রহ্মাসু লৈরমদে, শঙ্করসু লৈরম্দে।

মতাং অসিদা বাহং অমা থোরকপা য়াই, সৃষ্টিগী মমাংদা নারায়ণ মতোমদা লৈরম্বা, মাগী ইমুং-মসুংদি লৈরমজা ? মহাপ্রলয়দা নারায়ণ, মাগী ইমুং-মসুং লোঈনবশিংসু লৈরম্মী, মাগী ধামসু লৈরম্মী। নারায়ণ মতোমদা নত্তনা মাগী ধাম, লোঈনবা, ইমুং-মসুং, মনাই-মশন, মতোন্দগী চোংথোরকপা, ওইরকপা মশক পুন্নমক অসি অনাদি কালদগী (অহানবা হাঈবসু লৈত্রিদ্রৈদগী, লৈশেমত্রিদ্রৈদগী) মহাপ্রলয়দসু পুন্নমক অসিদি লৈরম্ববনি, মরমদি, পুন্নমক অসি নিত্যনি অরেপ্পা পোৎনি, মাঙবা য়াত্রবা পোৎনি। মহাপ্রলয়দা মাঙখিবা পোৎ অদুদি অরেপ্পা পোৎ কৌবা য়াদে। ভগবানগী ধাম (মফম) ইমুং-মসুং, ভগবানগী অতোপ-অতোপ্পা মশক ময়াম, মথোঈ অদুনা লৈরিবা মফম্ ময়াম্, মফম ময়াম অদুগী লীলাদা য়াওবা পোৎশক পুন্নমক অসি নিত্য বস্তু অরেপ্পা পোৎ ওাক্তনি ; অমত্তা মাঙদে, হৌজিক কাওবা লৈরিবা ওাক্তনি। মহাপ্রলয়দা মাঙলিবদি প্রাকৃত মায়া ব্রহ্মাণ্ড (পৃথিবী) অসিদা মাঙবনি ; অপ্রাকৃত চিন্ময় ভগবদধাম মাঙবা হৌনদে। কবিগুবা মফম অমদা নিংথৌ লেংলক্লে হাঈরবদি মাগা লোঈনবা মরূপ-মপাং, মনাই-মশন মী কয়ামুক। লোঈনদুনা লাকই হ'ঙ্গবসি থঙ্‌লৈ, নিংথৌ মতোমদা চৎপা হৌনদে। অসিগুমদুনা মহাপ্রলয়দা ভগবান লৈ হাঈরবদি, মতোমদা লৈবা হৌনদে মাগী মনাই-মশন

গৌর-কৃপা টীকা

ঈমুং-মচুংনচিংবসু থামচিংবসু লৈরম্মী হাঙ্গবা খঙ নৈ। শাস্ত্রগী বাহৈনি। "নচ্যবস্তেহপি যন্তক্তা মহত্যাং প্রলয়াপদি। অতোহচ্যুতোহখিলে লোকে স একঃ সর্ব্বগোহব্যয়ঃ॥ ক্রমসন্দর্ভধৃত কাশী খণ্ডবচন।"

শ্রীভগবানগী মওংদি খোঙ, খুং অমতা বাংতনা লৈবা কজবা খিবকী তুংনকম্রি, মহাক নিরাকার, মূর্ত্তি পাজবা নত্তে। কনাগুম্বনা হংবা য়াই মূর্ত্তি পায়বাদ কয়া মকম খুদিংদা মতম অমতদা লৈবা ঙমগে? মহাক্তি মূর্ত্তি মওং নাইরবসু বাথনগী বাংমদা লৈবা, (বাথয়া লাম্বা কংদবা) শক্তি লৈনা মরম্মা পৃথিবীগী জগৎকী মকম খুদিংদা মতম অমতদা লৈবা, চংপা ঙম্মী। মকম খুদিংদা কাওবা ঙম্বা, চংপা ঙম্বা হাঙ্গবসি মাগী মহৌশাগী ধর্ম্ম'নি। মহৌশাগী ধর্ম্ম অসি ভগবান্না থাদোকপা ঙমদে। মৈগী ধর্ম্ম'দি চাক্থেক্পা ঙম্বা অশাবনি। মৈনা অশাববু থাদোকপা ঙমদে। ঈশিংগী ধর্ম্ম'না মৈবু মুৎথৎপনি, ঈশিং অচুনা মৈ মূক শারগা অচাক্পা মৈদা হৈত্তিন্বা মতমদা মৈ অচু হেক্তা মমুৎলে। মহৌশাগী লোঈনবকৃপা ধর্ম্ম থাদোক্পা ঙমদে। অচুঙমচুনা ভগবানগী মশক পূরমক্পা লোঈনরকপা ধর্ম্ম তৌনিংবতা ঙম্বা অচু থাদোক্তে; মীওঈবগী হকচাং ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা মহাকী ঙমখৈ নাইবা হকচাং মীগী হকচাংনি হাঙ্গনা খঙ্নরিবা অচুনা মকম খুদিংদা লৈবা ঙম্মী, অনন্তনি, লাইনি। শ্রীকৃষ্ণদা নত্তনা ইবুঙো মহাক্পা সাইওন্বা মহাকী মশক মখেসু অমসুং মথোঈগী ধর্ম্ম মখৈসু মকম খুদিংদা লৈবা ঙম্মী, অনন্তনি, বিভুনি লাইনি। "পরব্যোম কৌবা মকমচু—প্রকৃতিগী বাংমনি। কৃষ্ণগী হকচাংগুম্মা গুণ পূরমক লৈবনি॥ বৈকুণ্ঠনচিংবা থাযদি অনন্ত, বিভু'ন। কৃষ্ণগী অবতার মখৈ মাচুদা লৈবনি॥ ১।৫।১১-১২॥" দ্বারকা লীলাদা, অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ডগী ব্রহ্মা'শংনা মতম অমতদা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ খুরুমখি, মচুদা ব্রহ্মা খুদিংনা নীংখি—শ্রীকৃষ্ণদি মথোঈগী ব্রহ্মাণ্ডদা লৈ; শ্রীকৃষ্ণনা লাই ওইরমগ্রবদি ব্রহ্মা খুদিংনা অচুম্মা নীংলোইদবনি। ক্রোশ তরাতরুক্তা কো'ন্বা বৃন্দাবনগী কম্ মচেৎ অমদা গোবর্দ্ধন চীং লৈ; চীং অচুগী ভময়াদা শ্রীকৃষ্ণনা ব্রহ্মা'দা অনন্ত-কোটি-ব্রহ্মাণ্ড, অনন্ত (ম'শ থীবা ঙমদবা) নারায়ণ উৎহনখি। গোবর্দ্ধনগী ভমুদা অমসু শ্রীবৃন্দাবনা বিভু (পাক শাক্পা, 'পকশিনবা) শক্তি ঙম্মমত্রংদি অচুম্ম উৎনবা ঙম্মাম্মাইদবনি। শ্রীবৃন্দাবনগী মচুদা লৈরিব শ্রীকৃষ্ণগী মনাইচগী ফাইনা মম-মপা ফাপবা অমসু ঈ-রা ফাওবদ 'কারব' পোং পূরমক অচু অচম্বা অতত নত্তে, নিত্য বর্ত্তমান চাওখোক্তে মনিংদা শিকৃশিন্গে মনিংনি; হুংশিংনা মকম খুদিংদা লৈবগুম শ্রীবৃন্দাবন থামসু মকম খুদিংদা লেদনা লৈবা ঙম্মী।

ঋতেহর্থং যৎ প্রতীয়েত ন প্রতীয়েত চাত্মনি ।
তদ্বিদ্যাদাত্মনো মায়াং যথাভাসো যথা তমঃ ॥২৪

গৌর-কৃপা-টীকা

অশাবা ধর্ম্ম চেনবা মৈগা য়েংকা তিন্নবা লৈবা মতমদা য়োং অহুম্ ভাংশং ভাংলক্তুনা মৈগা চপমান্নবা শক্তি লৈ ; অতুগুমন্থনা তৌনীংবতা তৌবগুবা শ্রীকৃষ্ণগা শ্রীবৃন্দাবনগা লৈমিন্নবদগী চাঙ্গবদি শ্রীবৃন্দাবন্দা শ্রীকৃষ্ণ লৈবদগী শ্রীদাম, শুদামচিংবদগী হেন্দোক্তুনা নাপী-শিংনা কাওবা তৌনিংবদা তৌবা ভমী । মায়াগী পৃথিবী অসিগী মচুং চন্নিবা ভারতবর্ষ অসিদা মী মাশিং কোটি ৫০ য়াংথৈ লৈবদা যাম্না চিন্না থাক্লগম্ শ্রীবৃন্দাবন্দদি মশিং থীবা ভম্‌দবা ব্রহ্মাণ্ড লৈবা চন্নী, মসি ঈশ্বরগী শক্তি লৈবননি ।

চিন্ময় ধামদি (মায়া পক্কবা মফমদি) সৃষ্টিগী মমাংদগী লৈরক্নি ; সৃষ্টি মতুংদসু লৈ । করি করিগুম্বদসু মৎস্য (ঙা) নচিংবগী অবতার ওইনসু লৈ । প্রাকৃত (অচম্বা) জগৎনচিংবা অসিদি সৃষ্টিগী মমাংদদি লৈরম দ পশ্চাৎ—মতুংদা

"যদেতচ্চ—সৃষ্টিগী মতুংদা মিংনা উবিব' লৈরিবা জগৎ অসিসু ঐনি, পূম্নমক অসি ঐগী শক্তিদগী থোকখিব ভাকনি । প্রকৃতি অসি ঐগী মপানগী শক্তিনি , প্রকৃতি অসিনা ঐনা (মহাবিষ্ণু ওইহুনা) শক্তি পীরগা সৃষ্টিগী থবক পাংথোকই ; শেম্নবা জীব পূম্নমক অসিসু থাঙ্গেংশংবদি ঐগা নক্নবা শক্তিগী অংশনি । মরম অসিন জগৎ সংসার অসি ঐগী শক্তিদগী শোকখিবনি চাঙ্গহুনা ঐনি , ঐভোক্তগী ভোঙানবা পোৎ নত্তে ।"

"যোহবশিষ্যেত—মহাপ্রলয়দা অচম্বা প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ড পূম্নমক মাঙপ্রগা লেম্‌হৌবা অহু ঐনি , মতম অহুদসু ঐদি মাঙদহুনা ইমুং-মম্নং, মরুপ মপাংগা লোঙ্গনহুনা মথল-মথা অয়াম্বা লীলা শারুহুনা লৈ ।

শ্লোক অসিদা থঙহল্লিবদি, করিগুম্বা মফমদা লৈরিবা পোৎ পূম্নমক অসি শ্রীভগবাননি , শ্রীভগবান নত্তনা করিগুম্বা পোৎ অমত্তা মতোমদা ওইরকপা লৈত্তে , মরম অসিনা শ্রীভগবান্দি মতোমদনি, অনি শুদে—মাগী মফম্‌দদি জাৎ থাঙ্গবা লৈতে (হিন্দু-খৃষ্টান থাঙ্গবা লৈত্তে) । অহুগা মহাক্তৌ মম্নুংগী (অন্তরঙ্গ) লীলাসু পোৎথাবা লৈত্তে, অহৌবসু লৈতে, অমাইবসু লৈত্তে—মরম অসিনা মহাক অমম্নুং মাগী ধাম, লীলা অরেম্বনি (নিত্যনি), অনন্তনি । খুদম পূম্নমক অসি লৈবনা শ্রীভগবান্দি মপুং ফাবনি পূর্ণনি হাঙ্গবা উন্নী ।

শ্লোক ২৪ । অন্বয় । অর্থং (মরেপ্পা অথোইবা পোৎ) ঋতে (নত্তনা) যৎ (মহু) প্রতীয়েত (থঙবা, থাজবা) যৎ (মহু) আত্মনিচ (মশাদা) ন প্রতীয়েত (শঙ্ক্রবা, থাজক্রবা) তং (মহুবু)

গৌর-কৃপা টীকা

আত্মনঃ (ঐগী) মায়াং (মায়া) বিদ্যাৎ (খঙ্নগনি) যথা (অদুম্না) আভাসঃ (মমি) যথা (অদুম্না) তমঃ (অমম্বা) ।

অনুবাদ—শ্রীভগবাননা ব্রহ্মাদা হাঙ্গিরম্মী—অরেপ্পা পোৎশক ওইবা ঐবু থাজদহুনা ঐগী মপানগী পোৎশক্তা লাজরুবদা, মাদু ঐগী মায়ানি হাঙ্গনা খঙ্নগনি । মাদুদি মমিগুম্বনি অমম্ভং অমম্বগুম্বনি । ২৪

শ্লোক অসিদা মপানগী পোৎশক্-মায়াশক্তিগী মশক্ হাঙ্গিরি । অর্থাৎ—অরেপ্পা অথোইবা পোৎশক শ্রীভগবান্ । আত্মনি—মায়াগী মশাগী আত্মাদা ; মশা-মশাদা ; স্বতঃ ; পরমেশ্বরগী আশ্রয় নত্তনা মশা মশানা । আত্মনঃ—ভগবানগী ।

শ্রীভগবাননা হাঙ্গিরম্মী—"ব্রহ্মণ ! অরেপ্পা পোৎশক্ হাঙ্গবহ ঐনি ; ঐগী মায়া শক্তিগী লক্ষণ হাঙ্গিরক তাও । অহানবা লক্ষণদি, ঐ নত্তবা অতোপ্পা পোৎশক্তা লাজবা হাঙ্গবদি ঐবুদি থাজরহুনা অরেপ্পা লৈতবা পোৎ পুম্নমক অসিবু অচুম্বনি হাঙ্গনা থাজবা অদুবু মায়া কৌই ।" মসিনা খঙ্নরিবাদ ভগবত্তত্ত্বগী মরমদদি ভাব তাবা খঙ্বা ওম্দ্রে, অদুগা ভগবানগী মপান ওইবা পোৎশক্তা মায়াদা হাঙ্গবাদ মায়াগী থবকপুদি অচুম্বনি হাঙ্গনা থাজববুনি । ভগবানদা থাজবা ওম্নবদি মায়াবু থাজরে । ভগবান মী অদুদা লোঙানবিরবা নত্রগা মী অদুনা ভগবানদা চৎজরবদি মায়াগী থবক পুম্নমক অশিবু অমুক পান্দুবা লৈত্রে, অরেপ্পা নত্তে হাঙ্গনা থাজবা ওম্নে ।

শ্রীভগবাননা মায়াগী অতোপ্পা লক্ষণ অমগা হাঙ্গিরি—"যৎ আত্মনি চ ন প্রতীয়েত—ঐতোন্দা চৎজবা নত্তনা মশা মতোম্দনা খঙ্বা ওমজদে ।" ভগবানবুদি থাজত্রগা মায়াবুদি থাজৈ, অদু ওইরবস্থ মায়ানা মতম লৈবা খিবিক্তা ভগবানদা চৎজহুনা লৈ ; ভগবানদা চৎজদবা অতোপ্পা মায়া অমা লৈতে । মায়া হাঙ্গবসিন্থ ভগবানগী শক্তি অমনি, শক্তি অদুনা মানা থোরক্কম্ মপু অদুদা চজদনা (চৎজবা নত্তনা) লৈবা ওম্দে । মতাম্না হুমিৎ মাওদনা লৈবা ওমদে ; মরম অসিনা মকম অসিদা মায়া অসি ভগবানগী মপানগী শক্তি (বাহিরঙ্গা শক্তি) নি হাঙ্গনা প্রমাণ তৌরে ।

মায়াগী শাজৎ অনিদং কোৎদোক্লীংবদগী শ্রীভগবাননা থুদম অনিদং পীরি ; মদুদি—আভাসঃ (মমি) অমম্ভং তমঃ (অমম্বা) । আকাশতা লৈরিবা হুমিৎকী মমিনা পৃথিবীদা লৈবা ঈশিংদা তাই (উবা ফংই) । ঈশিংদা লৈরিবা মমি অদু আভাস কৌই । হুমিৎকী মমি অসি হুমিৎতগী য়াম্না লাপ্না কোৎদোক্লে—হুমিৎকী মপাঙ্গংবা মাইকৈগী শরুক্তা লৈ ; হুমিৎনা আকাশতা লৈবনি, মমনা পৃথিবীদা লৈবনি । অদুগুমহুনা মায়ানু ভগবানগী

গৌর-কৃপা টীকা

লৈকমদগী য়াম্না লাপ্না মপান্দা লৈ ; ভগবাম্না লৈরিবনা—পরব্যোমনচিংবা চিন্ময় লৈবাক্তা, অদুগা মায়ানা লৈরিবনা অচম্বা প্রাকৃত (মায়া) ব্রহ্মাণ্ডদা লৈবনি। মসিনা মুমিত্তা চংজরগা কোংদোকপা ওম্মী, মুমিংনা থোরক্তুনা মঙান্ অদুনা পৃথিবীগী ঈশিংদা য়েরগা মুমিংকী মমি অদু উবা ফংই ; মুমিংকী মঙান্ অদু পৃথিবীদা লাক্‌্ত্রবদি (অহিং ওইদুনা নক্ষত্রগা আকাশতা নোংনা কুপ্‌শিনখিদুনা) মুমিংকী মমি অদু উবা ফংদে। অদুগুম্বদুনা মায়াসু শ্রীভগবান্দা চংজরগা কোংদোক্ই ; শ্রীভগবাম্না সৃষ্টিগী শক্তি পুথোরক্পা মতমদা মায়াসু পুথোরকই সৃষ্টি শক্তি থুপ্‌চিন্‌খিবা মতমদা (মহাপ্রলয়দা) মায়াসু থুপ্‌চিন্‌খি (কোংদোক্তে)।

অতোপ্পা খুদম অমনা,—তমঃ—অমম্বা। অমম্বা হাঙবসি অঙানবগী মপান্দা লৈবনি। মঙান্দগী য়াম্না লাপ্না অমম্বনা লৈ ; অঙান্‌বা মফম্‌দা অমম্বা চংবা ঙম্‌দে ; অদুগুম্বদুনা মায়াসু শ্রীভগবান্দগী য়াম্না লাপ্না লৈ ; ভগবান্‌ লৈবা মফম্‌দা মায়া চংবা ঙমদে (অর্থাৎ ঋতে যৎ প্রতীয়েত) অমসুং মঙান্‌ লৈবা মফমদা অমম্বনা চংবা ঙমত্রবসু মঙান্‌ নত্তনদি অমম্ববু থঙ্‌বা ঙম্‌দে। অমম্বা মশক্ থঙ্‌লিবদি মিং অসিনা থঙ্‌লিবনি ; মিত্তি মঙান্‌গী মশক্ ওইবা ইন্দ্রিনি ; খোঙ্‌-খুত্তি মঙান্‌গী মশক্ ওইবা ইন্দ্রি নত্তে, মিং নত্তনা হকচাংগী ইন্দ্রি পুম্নমক অসিনা অমম্বা মশক্ থঙ্‌দে। মরম্ অসিনা মঙান্দা চংজরগা অমম্বা মশক থঙ্‌ঙী ; মঙান্‌গী পান্থে নত্তনদি অমম্বা মশানা মশাবু থঙ্‌হনবা ঙমদে। অসিগুম্বদুনা শ্রীভগবান্দা চংজরগা মায়া মশক থঙ্‌ঙী, কোংদোক্‌ই, ভগবান্দা চংজত্রবদি মায়াদি মশানা মশাবু কোংদোক্‌চবা ঙমজদে। "যথান্ধকারো জ্যোতিষোঽন্যত্রৈব প্রতীয়তে, জ্যোতির্বিনা চ ন প্রতীয়তে, জ্যোতিরাত্মানা চক্ষুষৈব তৎ প্রতীতের্ন পৃষ্ঠাদিনোক্ত, তথেয়মপীত্যেবং জ্ঞেয়ম। ভগবৎসন্দর্ভ। ১৮॥" মসি শ্লোক্তা য়াওরিবা "ন প্রতীয়তে চাত্মনি" শব্দ্ অসিগী খুদম্নি।

মায়া-শক্তিগী মচং-মঙং অনি গুণ—জীব মায়া হাঙবা অমা অমসুং গুণ মায়া হাঙবা অমা। মায়া-শক্তিগী মচং-মঙং অদুনা, কৃষ্ণ নংদবা জীবগী, জ্ঞানগী মশক অদুবু কুপ্‌শিন্দুনা থম্লবা অমসুং মায়াগী পোংত্তা জীববু পাম্‌ংলবা, অদু ওইরবদি মদুগী মমিং জীব মায়া কৌই। অদুগা সত্ত্ব রজঃ অমসুং তমঃ— গুণ অহুম অসিনা মায়না লৈবা ফিবম প্রধান অদুনা জগৎকী মপান্‌গী (গৌণ) চাক ওইরি। মফম অদুদা মদুবু গুণ মায়া কৌই মায়াগী খুদম অনি অসি শ্রীভাগবাম্ন থঙ্‌হনী দুনা মামগা অমম্বগা অনি অসদা প্রমাণ উৎলি। আভাসকী (মমিগী) খুদম্না জীব মায়ানা অমসুং তমঃ (অমম্বা) গী খুদম্না গুণ মায়ানি হাঙবা থঙ্‌হল্লী।

যথা মহান্তি ভূতানি ভূতেষূচ্চাবচেষ্বনু ।
প্রবিষ্টান্যপ্রবিষ্টানি তথ তেষু নতেষ্বহম্ ॥ ২৫

গৌর-কৃপা টীকা

পৃথিবীদা লৈরিবা ঈশিংদা, আকাশতা লৈরিবা হুমিংকী মমি ভাই, মমি তারিবসি হুমিংকী মপাললোমদা (মপাঙংবা মাইকৈদা) লৈবা মমনি, অদুগুম্না জীব মায়াসু শ্রীভগবান্গী লৈকম্ অদুগী মপাঙ্ংবা মাইকৈদা লৈবনি হায়না খঙৈ (অর্থং ঋতে যৎ প্রতীয়েত)। অদুগা হুমিংকী মতাল্ অদু তারক্লবদি ঈশিংদা হুমিংকী মমি লৈবা অদু উবা ফংদে (খঙবা ঙমদে), অদুগুমদুনা শ্রীভগবানগী (সৃষ্টি কারিনী) লৈশেল্লবগী শক্তি পুথোরক্লবসু (কোংদোরক্লবসু) জীব মায়া খঙবা ঙমদে—ঈশিংদা লৈরিবা হুমিংকী মমি অদু হুমিং থোক্লবসু মতোম্দা লেংদনা লৈবা ঙমদে, মাঙথি, অদুগুমদুনা জীব মায়াসু শ্রীভগবান্দা চংজরবদি হায়বদি শ্রীভগবানগী শক্তি নত্তনদি মশা মতোম্তনা কোংদোকপা ঙমদে (ন প্রতিয়েত চাত্মনি)।

হুমিংকী মমি ঈশিংদা লৈরিবা অদু ইলং-লংই, তনিক্-তনিক্ই, মদুদা মিংকুপুদুনা মুম্না য়েংদুনা লৈরবদি মিংকী উননবগী শক্তি অসি মাঙখিদুনা মম্শিল্লক্ই ; অদুগুম্দুনা জীব মায়াগী গুম্না শ্রীকৃষ্ণবু নীংদবা জীবগী জ্ঞান্গী মশক অদু কূপশিল্লী হায়বদি জ্ঞান অদু ঙাল্হন্দে, মমহল্লী ; জ্ঞান অদু তাম্রবনিনা মায়াগী পোৎতবু জীব অদুনা পামদুনা লুপ্লনা লৈখরে ।

মথংদা তমঃ অমসুগী খুদম পীজরি। অমসু হায়বা অসি আকাশতা লৈরিবা হুমিং অসিদা লৈতে ; হুমিংকী মপাঙ্ংবা মাইকৈদা লৈবনি ; অদুগুমদুনা গুণ মায়াসু শ্রীভগবানগী লৈকমদা লৈতে ; মাদুগী মাংমদা মপাঙ্ংবা শরুক্তা লৈ (অর্থং ঋতে যৎ প্রতীয়তে)। হুমিং থোক্লবদি মমি তাদবগুম্না, শ্রীভগবানগী শক্তি কোংদোক্রবদি গুণ মায়াসু কোংদোকপা ঙমদে (ন প্রতীয়েত চাত্মনি)। মসিনা খঙনরিবদি শ্রীভগবান্দা চংজবা নত্তনা, শ্রীভগবানগী শক্তি নত্তনা গুণ মায়াসু মশক কোংদোকপা ঙমদে ; মশক্ ঙহোক্-ঙন্শিন তৌবা ঙমদে, মশানা লেপ্লনা লৈবা ঙমগী শক্তিসু গুণ মায়াগী লৈতে।

মথক্তা ভগবত্তত্ত্ব-জ্ঞানগী বা হায়জখরে, মদুগা লোয়নবা মায়াগী খুদমসু হায়জখরে। প্রেম ভক্তিনা ভগবান্গী স্বরূপ-শক্তিগী মওংনি ; অদুনা স্বরূপ শক্তিগী কৃপাদগী তত্ত্বজ্ঞান ফংঙী হায়বা অসি মথক্তা হায়জরে ; হৌজিক্তা শ্লোক অসিদা খঙহল্লিবদি, ইবুংঙো মহাকী মপান্গী শক্তি মায়াদা চংজরুমবদি মহাকী তত্ত্ব জ্ঞানদি ফংবা ঙম্রোই হায়বনি।

শ্লোক। ২৫। অন্বয়। যথা (অদুগুম্না) মহান্তি (মহা, অচৌবা) ভূতানি (ভূত্, পূম্মক্তা, পঞ্চভূতশ্রা) উচ্চাবচেষু (মখল মথা শয়াম্বা) ভূতেষু (থরাই পান্বা পূম্মক্তা) অপ্রবিষ্টানি

এতাবদেব জিজ্ঞাস্যং তত্ত্বজিজ্ঞাসুনাত্মনঃ ।
অন্বয়ব্যতিরেকাভ্যাং যৎ স্যাৎ সর্ব্বত্র সর্ব্বদা ॥ ২৬

গৌরকৃপা-টীকা

(মপান্দা লৈবা) অনুপ্রবিষ্টানি (মনুংদা চংদুনা) তথা (অদুগুম্না) তেষু (মখোইদা) ন তেষু (থৌজম্লবশিংগী মনুংদা) অহং (ঐ) ।

অনুবাদ—মহাভূত পুম্নমক্না হাঙৈবাদ পঞ্চভূতনা থবাইপান্‌বা পুম্নমক্কী মথাগী মনুংদা অমসুং মপান্দা লৈবগুম্না ঐসু ঐগী চরণদা থৌজমজরিবা ভক্তশিংগী মনুংদা অমসুং মপান্দা কোংদোক্লম্না লৈ । ২৫ । নত—ভগবচ্চরণে থৌজম্না, ভক্ত । নতেষু—ভক্তশিংগী মনুংদা । মহাভূত—(১) ক্ষিতি (লৈবাক), (২) অপ (ঈশিং), (৩) তেজ (মৈ), (৪) মরুৎ (নুংশিৎ) অমসুং (৫) ব্যোম (আকাশ) মখোই আঙবু মহাভূত কৌই । থবাই পানবশিংগী হকচাং শেম্বা অসি মহাভূত কৌই । থবাই পানবশিংগী হকচাং শেম্বা অসি মহাভূত মঙা অসিনা শেম্বনি । মরম অদুনা মহাভূত মঙা অসিনা পঞ্চভূত মঙা অসিনা থবাই পান্‌বগী হকচাং মনুংদা চংলি । অমুক মঙা অসিনা থবাই পানবগী হকচাংগী মপান্দা ঈশিং নুংশিৎনা চংবা ওইনা লৈদুনা হকচাং মনুংদা চংবা নত্তে । মতৌ অসুম তৌদুনা ভূত মঙা অসিনা হকচাংগী মনুং অমসুং মপান্দা লৈ । কিবনা অসিগুম্না ভগবানগী মনাক ভক্তনি হাঙৈনা নীংজদুনা লৈরিবা মীশিং অদুগী থম্মোইগী মনুংদা ভগবান্না দর্শন পীবিনাংদুনা লৈ, অদুগা চাংদম্নাংঙাই লৈতনা ফজরবা মাধুর্য্য মূর্ত্তি অদু দর্শন তৌহন্‌বদা নুংঙাইনবগীদমক ভক্তগী মপান্দসু লৈ । শ্রীভগবান্না মনুংদসু মপান্দসু লৈরিবসি ভক্তগী মফমদতা নত্তনা থবাই পান্‌বা পুম্নমক্কী মফমদা চপ্‌মান্নবা লৈবনি । অদুবু ভক্ত নত্তবাশিংদি মাখোইগী মথাগী মনুংদা অমসুং মপান্দা ভগবান লৈ হাঙৈবসি থক্তদে ভাব তাংবা তংদে ভক্তশিংতনা থক্তবা ওম্মী । "ভক্তের হৃদয়ে কৃষ্ণের সতত বিশ্রাম" হায়বা মতম আসিদি নুংঙাইবা ফাজনা অদুনা ভক্তগী থম্মোইদ কৃষ্ণগী পোৎথোক মুম হাঙৈবাদ নুংঙা কম্ম কৃষ্ণনা পোৎথোকদা মতোমদা নুংঙাইবা নত্তে, মহাক্না ভক্তবুসু মহাক্কী মাধুর্য্য মূর্ত্তি উহন্দুনা নুংঙাইহল্লী । ভক্তগী মফমদা মতৌ অসুম তৌরিবাসি ভক্তগী মথা পোন্‌বা মরম্না তৌরবানি ভক্ত নত্তবা জীব শিতেঙদা অসুম্না তংদে । মতৌ আসিদা ভগবান্না ভক্তগী মথা পোল্লী হাঙৈবা থক্তনৈ ।

শ্লোক । ২৬ । অন্বয় । অন্বয়ব্যতিরেকাভ্যাং (অফইবা-ওইহল্লোইদবা, বিধিনিষেধনা) যৎ (মদু) সর্ব্বদা (মতম পুম্নমক্তা) সর্ব্বত্র (মফম পুম্নমক্তা) স্যাৎ (উদুনা লৈ), এতাবৎ (মদুগী মরম্) এব (কেপা) আত্মনঃ (ঐগী) তত্ত্বজিজ্ঞাসুনা (অরেপ্পা তত্ত্ব থক্তনীংবা মীনা) জিজ্ঞাস্যং (হংদবনি) ।

গৌর-কৃপা টীকা

অনুবাদ—চংনগদবা চংনরোইদবা থাজীনা (বিধি অমসুং নিষেধনা) মতম পুম্নমক্তা মকম পুম্নমক্তা লৈরিবমিনা শোইদনবগীদমক, ঐগী তত্ত্ব খঙ্নীংবা মীশিংনা শ্রীগুরুগী মকমদা মহুগী মরমদা হজদবনি ।২৬।

তত্ত্ব খঙনীংবা—শ্রীভগবানগী অরেপ্পা তত্ত্ব খঙনীংবা ভগবানগী মরমদা অরেপ্পা খঙ্বগী মওং-মতৌ করম তৌবগে ? চুনবা য়াত্রা হাইবা য়েংননবগীদমক খুদম অমতংদি থাজচ্চরি । হৈনৌ অমুনবা অমা মাংদা লৈরে হাইনা থম্লসি, অমুন্বা হৈনৌ অহু উবদা চাবদা হাউরগনি হাইনা থল্লুবদা অপেনবা মুংঙাইবা অমা পোকই ; মাস্তুম্না থন্বসি হৈনৌ অহুগী মরমদা অখঙ্বা অমদি কৌই হাইবনু থাজৈশোংনা খঙ্লে হাইবদি কৌবা য়াদে ; খঙ্গনবা য়াম্না থাংলি । অহুনগী অমুক থাজত্তনা মনম নম্বা কান্দা অমুন্বগী মনম্ অহু নাতোন্দা চংখিবা মতমদা করি থন্বগে হাইবদা য়াম্না থুনগনি হাইনা নীংঙি ; মাস্তুম্না নীংবা অসিনু হৈ অহুগী মরমদা অখঙ্বা মখল অমনি ; মসিনম্ থাজৈশোংনা খঙ্বা কৌজি ; য়াম্না থুদ্ন হাইবনু থোংনাজ্র । হৈনৌ অহু হেক চারগা পুক মপুং য়োম্লগা কয়া য়াম্না হাউবা অমসুং কয়া য়াম্না থুম্বা হাইবনু খঙ্বা ঙম্মী । মাস্তুম্না খঙ্বা অসিবু হৈ অহুগী মরমদা পুম্খঙ্, খঙ্বা কৌরে, খঙ্বদা মথাক্ লৈহৌরে ।

মতৌ অসুম তৌদুনা শ্রীভগবানগী মরমদা খঙ্বা হাইবা অসিনু মখল য়ামগ্রে । মচেং অমতং খঙ্লগা পুমখঙ্ খঙ্বা কৌবা য়াদে । কনা কনাগুম্বনা থম্মোই মমুংদা নম্নগা মপান্দা দর্শন কংলগা মুংঙাইরম্বা য়াই, কনাগুম্বনা মাগী ঐশ্বর্য্য শক্তি উরগা মুংঙাইরম্বা য়াই ; পুম্নমক অসি উরগনু শ্রীভবানবু পুমখঙ্-খঙ্বা কৌবা য়াজ্রি । শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতদা হাইরি—"মাধুর্য্য ভগবত্ত সার (২।২১।৯২)", মরম অসিনা রস্ অহু মহাও তংলগা চারগা হৈনৌ অহু হাওই-হাওতে, কৈ-কংত্রে হাইবা খঙ্ডৌ, অহুগুমহুনা শ্রীভগবানগী চাংদম্নীংঙাই লৈত্রবা হাইকম খঙ্রবা মাধুর্য্যগী রস অহু চারগনা ভগবানবু থাজৈশোংনা খঙ্বা কৌই । মরম অসিনা শ্রীভগবানগী মাধুর্য্য লীলারস্ অসি মী অহুগী থম্মোইদুংদা অমসুং মপান্দা চুপ্চবা ওম্বদি) ভগবানবু অরেপ্পা খঙ্বা কৌই । কনাগুম্বনা অরেপ্পা খঙ্বা পাম্নবদি, খঙ্ননবগীদমক পাম্নে থিনীংলবাদি মহুবু ভগবানগী তত্ত্ব খঙ্নীংবা কৌই ।

হজদবনি—হংবদা মতিক চানবনি ।

জগৎ অসিদা হংনীংলিবা মরম অসি য়াম্না লৈরে । অবাংপা লৈমকপদগী হংনীংবা পোকই । ঐখোয়গী অবাংপা আস য়াম্না লৈবদগী হংনীংবনু য়াম্না লৈরে । ঐখোয়না মী অম্নাদগী মকমদা হংজৈ, মখোইনসু তাক্পীরকই ; অহুবু ঐখোয়গী অবাংপগী অরোহবা

গৌর-কৃপা টীকা

লৈতে ; অরুবা অৱাংপা অমা লৈবদগী হংজরুবা মতমদা কোক্হন্‌বিরকই ; তৌইগুমন্নং অৱাংপনদি ১০০/১০০ চামা-চামা লাকৃপনিনা (থুংলবনিনা) ১০০/১০০ চাম-চামরক হন্না হংবা তারকই। অৱাংপা অসি কোকৃত্রি মথৈদি হংনীংবগী কোকৃপা লৈতে। চাম-চামরক হন্না হংদনুনা অমুক্কং হংজবদা অৱাংপা পূন্নমক কোক্চবা ঙম্বা, থন্মোই অসি পেন্‌বদা পুমথন্‌ থন্‌বা য়াবা, অহুম ওইবা অহুবু মক ওইনা হৈগদবনি। অহুননি অৱাংপা পূন্নমক অসি করম তৌরগা কোকদগে ? য়াহং অসিগী পাওথুম পীবা তারবদি ঐথোয়না য়াংলিবসি মরুপা করি শোইদনা য়াংলিবনো হাঙবা থিবা তারে। ঐথোয়গী অৱাংপা অসি মথল কয়ামুক থোক্না লৈ, পূন্নমক অসিগী মরুদি অমতনি—মহুদি করিনো হাঙবদা হুংঙাইবা য়াংপনি। জীবনা মহৌশানা হুংঙাইববু থৌরাংদুনা লৈ ; সংসারদা জীবনা থৌরাংবগী অপেন্‌বা লৈতে ; অপেন্‌বা লৈত্রিবসি হুংঙাইবা য়াংপননি। হুংঙাইবসি কংগে হাঙবগীদমক ঐথোয়না মথল-মথা অয়াম্বা থবক তৌই। পুন্সিগী থবক্কী হোইদুনা হুয়ান্‌বা ভাকৃগী থবক কাওবা তৌদুনা পুন্সি লেয়রিবা অসি হুংঙাইবা কংননবগীদমক্নি। হুংঙাইবা হাঙবা অহু ঐথোয়না কংলবদি থৌরাংলিবা অসি কোকদবনি ; হুংঙাইবা থিরবৈদা কংদনুনা শিবমা হান্নে ; অহুনা হুংঙাইবা হাঙবা অসি ঐথোয়না সংসারদা কংদে। করম্বা হুংঙাইববু কংলগা পেন্‌গদগে মাহুত্ত ঐথোয়না থঙদে ; থঙ্‌লবদি মাইকৈ মখিদা চেখোক-চেনশিন তৌরিবসি তৌদনুনা মাহুতদা তারগদবনি ; শজোম থক্কীংবগী থৌরাংবা অহু কোক্কনবগীদমক থুমহিদি থক্লোইদবনি। হুংঙাইবা কংলবা মীশিংনা হাঙবদি (তাকৃপদি)—হুংঙাইবা হাঙবা পোংশক্‌ অসি মপুং ফাবনি, মপুম ফাদবা পোং নত্তে হাঙ—"ভূমৈব সুখম" ; অস্পূর্নহু মথোঙনা হাঙৈরি ; মপুম ফাদবা পোংতগী মপুম ফাবা পোং কংবা য়াদে— "নাল্পে সুখমস্তি।" মপূম ফাবা অচৌবা পোং হাঙবসি শ্রীভগবানবুনি ; মহাক অসি হুংঙাইবগী মশক্নি ; অপেন্‌বগী মশক্নি—"আনন্দং ব্রহ্ম।" হুংঙাইবদা মহাক অসি য়াম্না মহাউ লৈ হাঙদনা মাবু রস হাঙনহু হাঙনৈ—"রসো বৈ সঃ।" অস্পূম ওইবা রসকী মশক ওইবা শ্রীভগবানবু কংবা ভমুজরবদি জীবনা হুংঙাইবগী থৌরাংবা অহু কোক্লে, জীবনা অপেন্‌বা হাঙবহুত্র ওইরে, "রসং হ্যেবায়ং লব্ধ্বানন্দী ভবতি।" হুংঙাইবগী থৌরাংববু কোক্লবদি—অপেনবু ওইরবদি জীবনা অৱাংপা অমমুক লৈত্রে, অৱাংপা পূন্নমক পুন্নকোক কোক্লে, মীতোন্দা হংবহু লোইরে। মরম অসিনা অপেন্‌বগী মশক ওইবা ভগবানবু কংননবা পাম্বৈ অসি, হৈজদবা পূন্নমকী মকোক্নি, মরুনি, মসি থাজৈশোংবা হংবদা মতিক চাবনি। ভগবানবু কংবা হাঙবসি মশক থঙবা হাঙবগা অমুহানি থঙবু

গৌর-কৃপা টীকা

খঙলবাদি কংবগা অম্হানি। ঐনা হৈনৌ অমা কংলগা চাত্নিভৈদি চান্নীংবগী থৌরাংবা কোক্কে ; চারগদি চানীংবগী থৌরাংবা অহু কোক্কে। অহুওমহুনা শ্রীভগবানবু থাজৈশেংনা খঙবা ভারবদি কংবগা অম্হানি ; অহুনা শ্রীভগবানবু থাজৈশেংনা খঙননবগী—কংননবগী পাখৈ উপায় অসিদি হংকম্ থোকই, হজদবা পুন্নমক্কী মমুংদা মকোক ওইনা হজদবনি।

উপায় অসি হংবা মতমদা মী পুন্নমক্না চাং য়েংলহুনা খ্বাইনা থাজনবা উপায়রা হায়না বিচার তৌহৌগনি। মজুবদি সাধকপা হোংনজাবরবহু অরেম্বা ওইগনি।

করম্বা উপায়না অরেম্বা ওইগদগে হাইবা খঙবা তারবদি মরম খরা অসি য়েংবা তাই :

ইহান-হানবদা উপায় অহুগী মরমদা শাস্ত্রদা অযম্ব বিধি লৈব্রা? হায়বদি উপায় অহু তৌরগা অনীংবা পুন্নমক থুংলগনি হায়বা করিগুম্বা শাস্ত্রদা থেংনরব্রা?

অনিশুবদা উপায় অহুগী মরমদা করিগুম্বা ব্যতিরেক্-বিধি লৈব্রা? হায়বদি উপায় অহু তৌরুব্রগা অনীংবা অহু থুংলোই হায়বা করিগুম্বা প্রমাণ শাস্ত্রদা লৈব্রা?

অস্তুম হায়না য়াম্না কুপ্না থল্হৌগদবনি। কর্ম্ম, জ্ঞান, যোগ, ভক্তি, অসিবচিংবা অসিনম্ব ভগবান কংবা ওম্বী হায়না তাই। মরাম অসিগী মমুংদা, করম্বনা শোইত্রবগে হায়বা অহু থলকৌগনি।

কর্ম্ম তৌরগা হিংঙিভৈগী মতমদা শেন-থুম মরাংকায়না কংই, হয়েংমুক্কী মপোক্তা স্বর্গগী মুংঙাইবা কংঙি। তৌইগুম্বমুং স্বর্গগী মুংঙাইবাদ অরেম্পা নত্তে ; কর্ম্ম ফল চাবা লোইরগা অমুক হন্না জীব অহু সংসারদা লাকই। মরম অসিনা কর্ম্মিশিংনা মহৌশানা অরেম্পা নত্তে ; কর্ম্ম ফল চাবা লোইরগা অমুক হন্না জীব অহু সংসারদা লাকই। মরম অসিনা কর্ম্মিশিংনা মহৌশানা অরেম্পা মুংঙাইব' কংদে ভগবান কংবা ওমদে। মতৌ অমম্না জ্ঞানম্ব অমম্বং যোগনম্ব শ্রীভগবান্ কংবা ওমদে। মন্নামশিং অসি অরেম্পা উপায়নি হায়বা থম্বা য়াদে।

ভক্তিগী, মরমদা শ্রীকৃষ্ণনা গীতাদা হায়রি—"মন্মনা ভব মদ্ভক্তো মদ্যাজী মাং নমস্কুরু। মামেবৈষ্যসি সত্যং তে প্রতিজানে প্রিয়োঽসি মে ॥ ১৭।৬৫ অর্জ্জুন! ঐগোম্দা পুক্নিং মন শিন্নৌ, ঐগী ভক্ত ওইবু, ঐবু পূজা তৌ ঐবু নীংঙু। নংবু ঐনা মুংশি ; ঐনা বাশক্না হায়রিবাসনি, মতৌ অসুম তৌরবতদা ঐবু কংগান।" মাসি ভক্তিগী মরমদা অযম্ব বিধি লৈবা (অচুম্বা) কৌই।

কনাগুম্বা মীনা বেদ পুন্নমকম্ব হৈরবা অহুগা শাস্ত্র পুন্নমক্কী অর্থম্ব খঙলবা অহুগা শ্রীভগবান্দদি ভাক্ত লৈতবা অহুগুম্বা মীশিং অহুবু অতোনবা মী কৌই পুন্নমক অসি

তথা শ্রীকৃষ্ণ কর্ণামৃতে প্রথম শ্লোকে

চিন্তামণির্জয়তি সোমগিরিগুরুর্মে
শিক্ষাগুরুশ্চ ভগবান্ শিখিপিঞ্ছমৌলিঃ।
যৎপাদ কল্পতরু পল্লবশেখরেষু
লীলা স্বয়ংবররসং লভতে জয়শ্রীঃ। ২৭

গৌর-কৃপা টীকা

ভক্তিগী মরমদা ব্যতিরেক-বিধি-নি (অরাংপনি) ভক্তি য়াবীদি মনীং মথা তৌই, য়াম্না মপাজল কল্লী। "ভক্তি নত্তনা কারগুম্বা সাধন্ অথঙং ফল কংবা ঙমদে।" ভক্তিতনা ভগবানবু থুত্থম চনবা ঙম্মী।

মীওইবগী বাদি থম্বল-থমখিশ, তীন-শ-উচেকনাচিংবা কাওবা ভক্তিগী গুমা অয়ান-থুবম কংঙ। ভক্তি লিংখৎপদা মকম চাৎ-চাদবগী নিয়ম লৈতে। মী পুম্নমক্না মতম পুম্নমক্তা অমসুং মকম পুম্নমক্তা শ্রীহরিগী নাম-গুণনচিংবা শ্রবণ-কীর্ত্তন অমসুং নীংশিংবা য়াই। মথক্তা হাঙ্গৈজখরে, ভগবানগী মাধুর্য্য থত্তবনা থাজৈশেংবা কংবা কৌহ। মাধুর্য্য-থত্তনবগী উপায় করিনো? ভক্তি শাস্ত্রদা হায়রি মাধুর্য্য-থত্তনবগী উপায়দি-প্রেম। প্রেম অসি কংননবগী উপায়দি ভক্তিনি। ভক্তিদগী প্রেম কংঙি অমসুং প্রেম্না ভগবানগী মাধুর্য্য রস (লৌননবগী) চাননবগী-য়রি; মরম অসিনা ভক্তিতনা ভগবানগী মাধুর্য্য থক্লবগী হাঙ্গবদি ভগবানবু থাজৈশেংনা থত্তনবগী-অনীগুমবা উপায়না।

শ্রীভগবান্দি প্রেমতনা থুত্থম চল্লি—কর্ম্ম, জ্ঞান, যোগনচিংবনা থুত্থম চনবা ঙমদে।

ভক্তিসু অমুক মথল অনী লোল্লি—ঐশ্বর্য্যগী ভক্তি অমসুং মাধুর্য্যগী ভক্তি। ভক্তি অনি অসি মাধুর্য্য ভক্তিবু ঐশ্বর্য্যনা কুপ্প (এমথবা) ঙমদে; মরম অতুনা মাধুর্য্যনা গুণ চাউবা হেল্লি।

হৌজিক্তি থত্তবা ওয়ে—"এতাবদে" নাচংবা শ্লোকতা ভগবান কংননবগী মরমদা মরু ওইনা হংদোকিবা অসি করি উপায়নো হাঙ্গবদা—ভক্তিতনা মরু ওইবা উপায়নি ভক্তিগী বা অসি শ্রীগুরুদেবগী চমতা হংজগদবনি।

মতৌ অসুম তৌহ্না ভক্তিগী মকমদা অন্বয়-ব্যতিরেক্ চংঙি, কর্ম্ম, জ্ঞানচিংবাদি চংদে।

শ্লোক। ২৭। অন্বয়। মে (ঐগী) গুরু (মন্ত্রগুরু) চিন্তামণি: (বাখল্গী মনি—মনি মথন্ অমা (সোমগিরি) (সোমগিরি—মিং অমনি) জয়তি (জয় ওইরসনু); শিক্ষাগুরু (শিক্ষাগুরু) শিখিপিঞ্ছমৌলি: (বাহোং মতুগী চুড়া খোল্বা) ভগবানচ (ভগবানসু জয়

গৌর-কৃপা টীকা

ওইরসনু) যৎপাদ কল্পতরুপল্লব শেখরেষু (মহাকী মখোং কল্পতরু—মনাগী মতোন) জয়শ্রী : শ্রীজয়—শ্রীরাধা) লীলা স্বয়ম্বররসং (লীলাস্বয়ম্বররস) লভতে (ক্রি)

অনুবাদ শ্রীলবিল্বমঙ্গল ঠাকুরনা হাঙ্গবমী—"চিন্তামণিগুরবা লৌংবপ্ত্রমকপু থুংহন-বিরিবা সোমগিরি কৌবা ঐগী মন্ত্র গুরুদেবনা (দীক্ষা গুরুনা) জয় ওইরসনু অদুগা হবুংঙা মহাকী চরণ কল্পতরু-মনাগী মতোন্দা (শ্রীচরণগী মতোন্দা) জয়শ্রী—শ্রীরাধিকানা প্রেম লৈজবনা গাঢ় অনুরাগ লৈজবনা স্বয়ম্বরগী হুংঙাংবা (থবাক কৎপগী হুংঙাইবা—শৃঙ্গার রস) চুপ্তুনা লৈরিবা অদুম ওইব ঐগী শিক্ষাগুরু ওইবা বাহোং মতুগী চূড়া লোন্বা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনসু জয় ওইরসনু "২৭

ব্রহ্মানা সমষ্টি জীবনি; (অপুনবা শক্তাম) অদুগা ঐখোয় খুদিংমক্না ব্যষ্টি থাযদোকপা জীবনি। শ্রীমদ্ ভাগবতকী শ্লোক চিংথস্ক্না লাইরিক লেংলবা কবিরাজনা প্রমাণ তৌরি, ভগবান্না শিক্ষাগুরুগী মশক ওইদুনা সমষ্টি—জীব ব্রহ্মাদা পাওতাক পিখি অমসুং অন্তর্য্যামীগী মশক ওইদুনা পাওতাক পীরিবা তত্ত্ব অদুবু ভাব তানববা খঙহল্লী। শ্রীভগবান্না অন্তর্যামী ওইনা ব্যষ্টি জীবশীংদ শিক্ষাগুরুনি, মসিগী মরম প্রমাণ অসি পীনরবগীদমক শ্লোক অসি চিংথংলিবনি (থন্নগৎলিবনি) শ্লোক অসিদি শ্রীলবিল্বমঙ্গলনা শেমজবনি; বিল্বমঙ্গলগী শিক্ষাগুরুদি শ্রীকৃষ্ণনি হাঙ্গবসি শ্লোক অসীনা খঙহল্লী।

সোমগিরি—শ্রীল বিল্বমঙ্গল ঠাকুরগী দীক্ষাগুরুগী মমিং শ্রীল সোমগিরি। চিন্তামণি মনি মথল অমা, মনি অসিগী মগুণ্ডী মতোন্দা কনাগুম্বা মী অমনা অপাম্বা অমতং নিরুরবদি মাহুমক্ ইশোই-শোইদনা পীবি। শ্রীগুরুদেবগী চরণ্ডা চংজবসু নোংজবা পূর্ণমক থুংহনবি; মরম অদুনা বিল্বমঙ্গল ঠাকুরনা শ্রীগুরুদেববু চিন্তামণিগা চাংদরে।

শিখিপিঞ্ছমৌলি :—শিখিগী অর্থ বাহোং; পিঞ্ছগী অর্থ মমৈ; মৌলিগী অর্থ—চূড়া; বাহোং মতুগী চূড়া খোনবা, শ্রীকৃষ্ণ ভগবান—স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণ।

যৎপাদকল্পতরু—পল্লব সেখরেষু—যৎপাদগী অর্থ শ্রীকৃষ্ণগী চরণ। কল্পতরুপল্লব—কল্পবৃক্ষগী মনা। যৎপাদরূপ কল্পতরু-যৎপাদ কল্পতরুপল্লব। কল্পতরুগী মফমদা অপাম্বা পোৎ পূর্ণমক ফংতি; শ্রীকৃষ্ণগী চরণ্ডা চংজরবসু অপাম্বা পোৎ পূর্ণমক ফংতি; মরম অদুনা কল্পতরুগী মগুণগা শ্রীকৃষ্ণ চরণগী গুণগা অমুহানি। কল্পতরুগী মনাদি থোংলি অমসুং তাংলপ তৌই; শ্রীকৃষ্ণগী চরণসু থোংলি অমসুং তাংলপ তৌই; মরম অদুনা কল্পতরুগী মনাগা শ্রীকৃষ্ণগী চরণগা চাংদমনরিবনি। শেখর—মতোন্। শ্রীকৃষ্ণগী খোঙগী খুজিনগী মতোন্, লীলাগী অর্থ গাঢ় অনুরাগ (হুংশিবা হেজিন্নকপা। স্বয়ম্বর—মশা মতোমতনা মশাবু

গৌর-কৃপা টীকা

কংথোক্‌চবা ; কনাগীসু থৌইনশিন্ য়াওদনা মশানা মীংবগী মতুংইন্না (থুনী তৌদুনা) আত্মা সমর্পণ তৌবা। রস—মহাও তংবদা ছুংতাইবা পোক্‌পা।

জয়শ্রী—জয়গী অর্থ অথোইবা ; 'শ্রী'-গী অর্থ নিংথিজবা।

নিংথিজবদা অহেন্‌বা অথোইবা অহুবু জয়শ্রী কৌই। মরম অসীনা জয়শ্রী শব্দনা শ্রীরাধাবু থংনৈ। নিংথিজবদা, মবুংতোবু নীংবদা, লাইবক কবদা মাতোন্দগী ওমজনবগী মশক ওইবা অমসুং লক্ষ্মী-পার্ব্বতী-অরুন্ধতী—সত্যভামা নচিংবনসু মাগী মকমদা মাইথিবা কংবা মহাক অহুবু মূর্ত্তিমতী জয়া কৌই। শ্রীশব্দনা লক্ষ্মীবু থংনৈ ; শ্রীগী মরু "মকোক্তি শ্রীরাধানি অস্নুরা জয়া শব্দসু শ্রীরাধাবু থংনৈ। জয়া অমসুং শ্রী-না জয়শ্রী শ্রীরাধাবু থংনৈ।

শ্লোকী কোইরমদাইদা হাঙ্গৈরি :—শিখিপুচ্ছচূড় শ্রীকৃষ্ণগী কজনা থোংলবা অমসুং তাংলপ্‌, তৌবা থোংদোন্‌, মাহুনা জীব পূম্নমক্কী মীংবা থুংহন্‌বা ঙম্বা, অহুম ওইবা থোংদোন্‌, অহুদগী জয়শ্রী শ্রীরাধা'না লীলা স্বয়ম্বর (আত্মা সমর্পন) রস থক্লি। শ্রীল বিল্বমঙ্গল ঠাকুরগী থমোইদা শ্রীকৃষ্ণ কাওয়বদা মহাক্না ইবুংঙো মহাক্কী চাংদম্নাংতাই কৈতনা কজবা মাধুর্য্য অহু ঊবা ফংলে ; অহুম ওইবা মাধুর্য্য অহু শিংথাবা ঙম্নবা মাথন্‌ তৌরকই, তৌইওমসুং অহুক নীংথিজবা কজবা মূর্ত্তিদি মানা মমাংতৈদা থক ঊখিজি। মমাংগী কবিশিংনা কজবগী মরমদা শিংথাখিবা বাহৈ পূম্নমক অহু ঠাকুরগী পুক্লংনা পাঙ্বা অমতা য়াওদে। অহুদগী মহাক্না মপুক্লিংদা মওন্‌-মওন, থক্লকই, শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং অপূবগী শিংথাগে হাঙ্গৈনা বাখন তৌবদি মতিক চাদে ; হকচাং অপূম্বগী বাদি থন্নু থমখিসি শ্রীচরণগী মরমদা শিংথাবা কাওবা ঙম্‌কম্ থোক্কে ; অমুয়া থ ম্নতৈদা শ্রীচরণগী মাধুর্য্য অহু মহাক্কী থম্মোইদা কাওরক্লে অহুদগী মহাক্না শ্রীকৃষ্ণগী খোঙগী খুজিন্‌গী নীংথিজবদি মাধুর্য্য শিংথারক্লে—শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোংগী নীংথিজবদি করিবু হাঙ্গৈগনি, মহাক্কী খোঙ্‌গী খুজনগী নীংথিজবা মাধুর্য্যগী চাংদম্নবা পোৎপু জগৎতা থিবা ফংদে ; কজবদা গৌরীনচিংবা, মপুরোইবা নীংবদা অরুন্ধতীনচিংবা অমসুং লাইবক কজবদা অতোপ-অতোপ্পা ব্রজগী ইবেম্মশিংনসু সত্যভামান-চিংবা, মুপীশিংনসু শ্রীকৃষ্ণগী মকমদা মাঈথীবা ফংলিবনি—লক্ষ্মী পুম্নমক্কী মকোক ওইবা, শ্রীরাধানসু।

শ্রীকৃষ্ণগী মমাংদা লেম্নদা ইকাইহুনা মাইথোং লুকথনা লৈবা মতমদা, ইবুংঙোগী খোঙগী খুজিন মতোন অহুদা ফিংয়েং তারুই, মাহুনা খোঙ্‌গী খুজিন মতোন্‌গী নীংথিজবা অহু ঊরবদগী ওম্‌হৎখি, অহুদগী মখল-মখলগী ভাব থোক্লক্‌্না হেক্তিন্না (হকচিন্না) ছুংশিাথবগী ইকাইবা ধর্ম্ম-অহক-লমন্‌গী অকিবনা চিংবা পুম্নমক থাদোক্‌না শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণতা আত্মসমর্পন তৌথি মতৌ অসুমা আত্মসমর্পণ তৌবা অহুদা হাঙ্গৈকম থত্‌লবা ছুংতাইবা অমা

জীবে সাক্ষাৎ নাহি, তাতেগুরুচৈত্যরূপ।
শিক্ষাগুরু হয় কৃষ্ণ মহান্তস্বরূপে॥

অর্থ :—

জীবনা সক্ষাৎ উদে, অদুনা লৈ গুরু ওইনা।
কৃষ্ণনা শিক্ষাগুরু ওই ভক্তদা চৎচুনা ॥ ২৯

তথাহি (ভা: ১১ । ২৬ ।২৬)

অতোদুসঙ্গমুৎসৃজ্য সৎসু সজ্জেত বুদ্ধিমান্।
সন্ত এবাস্য ছিন্দতি মনোব্যাসঙ্গমুক্তিভি: ॥২৮

গৌর-কৃপা টীকা

পোকখি, অদুম ওইবা অঙকৃপা লুংঙাইবা অদুগা চাংনমাংঙাই করিগুম্বা অমতং মরৈএ। শ্রীকৃষ্ণনা চানবিদুনা বিল্বমঙ্গলগী থম্মোইদা নিংখিজমা-মাধুর্য্য পূম্বমক্কি থঙ্হন্বা ভাব্তাহনবা অসিদা শ্রীকৃষ্ণবু বিল্বমঙ্গলনা দীক্ষাগুরুনি হাঙৈনা নীংজখি (লৌজখি)।

২৯। অন্তর্য্যামীনা শিক্ষাগুরু ওইখিবগী বা হাঙৈব্রে ; অদুগা অদুম্ অথোইবা ভক্ত ওইনা শিক্ষাগুরু ওইবগী বা হাঙৈজরি। অন্তর্য্যামী পরমাত্মানা জীবগী থমোইদা লৈ ; মহাত্মা জীবগী থমোইদা করিগুম্বা মরম অমা থঙ্হন্গে হাঙৈনা হোৎনৈ; মায়ানা পুন্দুনা লৈরিবা জীবনা ; মহাত্মা হোৎনরিবা অদুগী মরমদা করিম্ থঙ্বা ঙমদে। ইঙ্গিত কাওবা উবা ংদে। অদুগা থম্মোই যোংলিবা অদু শেংবা ওয়নবগীদমক্। অন্তর্য্যামীগী মকমদগী শ্রীহরিগী বারোম্ তাবা ংদে ; মরমদি, জীবনা মাবু উবা ংদে মরম অদুনা শিক্ষাগুরুগীদমক্তা ; অথোইবা ভক্ত চংদবা য়াদে, উনদবা য়াদে ; শিক্ষাগুরুনা অথোইবা ভক্ত ওইরবদি হরিগী বারো তাহন্দুনা জীবগী থম্মোই যোংলীবা অদু, সংসারগী অপাম্বদা লুপ্তল্বা লৈরিবদু কোক্লনবা হোৎনৈ অমসুং জীববু পাওতাক পীবিম্বনা সেবাগী লম্বীদা পুশিন্বি।

অদুনা—শাক্ষাৎ উদবা অদুনা। গুরু ওইনা—অন্তর্য্যামীনা গুরু ওইদুনা। জীব পুম্বমকপু চপ্মান্না উবা, পুকচেন থোঙৈদবা, অশাঙবা লৈতবা, সাধু ওইবা শ্রীভগবান্দা হুংশিবনা থাইদগী অকবনি হাঙৈনা থন্বা মতু-মচা তেক্ত-কাঙৈদদুনা শেন্ য়াম্না লৈরবসু সংসারদা পূক্নিং চংদবা অদুম ওইবা মীওং অদুবু মহৎ কৌই। অদুগুম্বা মহৎ অদুদা শিক্ষা গুরু ওইবনা চুম্মী।

শ্লোক । ২৮ । অন্বয়। অত: (মরম অদুনা) বুদ্ধিমান্ (লৌশিং-শিংবা মী) দু: সঙ্গং (ফত্তবা সঙ্গ) উৎসৃজ্য (থাদোক্ল্লা) সৎসু (অফবা মীশিংদা) সজ্জেত

তথাহি (ভা: । ২৪ । ২৪)—

সতাং প্রসঙ্গান্মম বীর্য্যসংবিদো ভবন্তি হৃৎকর্ণরসায়নাঃ কথাঃ।
তজ্জোষণাদাশ্বপবর্গবর্ত্মনি শ্রদ্ধা রতির্ভক্তিরনুক্রমিষ্যতি ॥ ২৯ ।

গৌর-কৃপা টীকা

(নৌংগনি, ভিন্নগনি । সন্তঃ (অকবা মীশিংনা) এব (লেপ্পক) অন্য (মথোঈনা) মনোঘ্যাসঙ্গং (পুক্লিংনা মায়াদা পাবহ্ন) উক্তিভিঃ (পাওতাক্‌সা) ছিন্দন্তি (কক্‌থংলী) ।

অনুবাদ—মরম অদুনা লৌশিং-শিংবা মীনা কত্তবা সঙ্গ থাদোক্ত্‌না অকবা সঙ্গ তৌগনি । অকবা মীশিংগী পাওতাক্ অদুতনা মী অদুগী থম্মোইদা চংথিহুনা সংসারগী অপাম্বা লৈরম্বহ্ন কক্‌থংগা ঙম্মী । ২৮

কত্তবা সঙ্গ তৌরবদি পুক্লিং (মোন) অসি ভগবান্দা চংঙ্ যাদে; অদুন। লৌশিং-শিংবা মীনা কত্তবা মীগা সঙ্গ তৌবা থাদোক্কে । কত্তবা করিনো ? শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা হাঈরম্মী, "মুপৌ·গা লোঈনবা পাম্বা মীদি সাধু নত্তে, অমসুং শ্রীকৃষ্ণদা পুক্লিং চংদবা মী অদু সাধু নত্তে কত্তবা মীনি "

মনোব্যাসঙ্গ— মায়াগী পোত্তা পাম্বা ; ভক্তিগী য়েক্কবা পোংতা পাম্বা।' বুদ্ধিমান্—কত্তবা সঙ্গ থাদোক্ত্‌না অকবা সঙ্গ তৌবা মী অদুবু বুদ্ধিমান্ কৌই ।

শ্লোক । ২৯ অন্বয় সতাং (সাধুশিংগী) প্রসঙ্গাৎ (লুনা তিন্নবদগী সঙ্গদগী) হৃৎকর্ণ রসায়না : (থম্মোই অমসুং নাকোংগী পেন্নবা) মম (ঐগী) বীর্য্যসংবিদঃ (সক্তিন জ্ঞাম্না থন্‌বা) কথাঃ (বা) ভবন্তি — ওই, তজ্জোষণাৎ (বা অদুগী মহাও তংদুবদগী) অপবর্গ—বর্ত্মণি (অয়ান-থুবম্ পীরিবা ভগবান্দা) আশু (থুনা) শ্রদ্ধা (শ্রদ্ধা, থাজবা) রতিঃ (প্রেমগী-মরু) ভক্তি (প্রেম ভক্তি) অনুক্রমিষ্যাত (মথং মথং পোক্লকই) ।

অনুবাদ । শ্রীভগবানা হাঈরম্মী—"সাধুশিংগা লুনা সঙ্গ তৌরগা জ্ঞানগী মশক্ ওইবা বাঙাং খোরক্‌ই ; অদুম ওইবা বাঙাং অদু থম্মোই অমসুং নাকোং পেন্নবগী মশক্ ; অপাম্বগা লোঈননা বাঙাং অদু তারবদি (মহাও তংলবদি অয়ান-থুবম-পীরিবা ঐঙোন্দা থাজবা, রতি, অপাম্বা অমসুং প্রেম-ভক্তি মথং মথং পোক্লক্‌ই ॥" ২৯

সাধু সঙ্গ তৌরগা প্রেম-ভক্তি ফংভি হাঈবসি শ্লোক অসীনা উংলি ।

প্রসঙ্গ—থাই তিন্নবদগী থয়া হেন্না নক্‌শিন্না হুংশিননা তিন্নবা । অপবর্গ—বর্ত্মনি—শ্রীভগবন্দা । অপবর্গ—মোক্ষ (অয়ান, থুবম ফংবা) বর্ত্ম—লম্বেন্ ।

ভগবৎপ্রেম হাঈবা অসি য়াম্না অঙাংবা পোৎনি ; ভগবানা ইলাই লাইনা মীথুদিংমক্তা পীদে । অদুম ওইবা তাংলবা প্রেম অসি সাধু ওইবা মীগী মচিন্দগী হৌগী বাগী তাবা ফংলবদি থুনা প্রেম ফংভি—হায়না শ্লোক অসিনা উংলি ।

ঈশ্বরস্বরূপ ভক্ত তাঁর অধিষ্ঠান।
ভক্তের হৃদয়ে কৃষ্ণের সতত বিশ্রাম ॥৩০

অর্থ :—

ভক্তদি ঈশ্বরগী মশক্নি মাগী লৈফম্নি।
ভক্তগী থম্মোইদা কৃষ্ণগী পোংথাফম্নি ॥ ৩০

তথাহি (ভাঃ ৯।৪।৬৮)—
সাধবো হৃদয়ং মহ্যং সাধুনাং হৃদয়ন্তহম্।
মদন্যত্তে নজানন্তি নাহং তেভ্যো মনাগপি ॥৩০

গৌর-কৃপা টীকা

সাধু ওইবা মীশিংনা থমোই-নাকোং পেম্নবা হারিগী বারী তাহল্লগা জীবশিংবু ভক্তিগী লম্বিদা পুশিন্নি ; মরম অসীনা মথোঙ্গী অসি জীবগী শিক্ষা গুরুনি—হাঙ্গবা অসিমক শ্লোক অসীনা তাক্লে।

৩০। অথোইবা ভক্ত হাঙ্গবদি মহান্তগী মশক ওইবা শিক্ষা গুরুসু শ্রীকৃষ্ণগী মশক্নি ; বাহৈ অসিগী মমুংগী অর্থ পয়ার অসিদা হাঙ্গদক্লি।

ভক্তগী থমোইদা অতৎপা লৈতনা শ্রীকৃষ্ণনা পোথাহনা মুংতাইনা লৈ অমসুং মহাকী লৈফায়, ভক্তগী থম্মোইনা মাগী সিংহাসন্নি, ভক্তগী মশা হকচাংনা মাগী শ্রীমন্দিরনি শ্রীমন্দিরবুসু মন্দির মমুংদা লৈরিবা ইষ্টদেবগা মান্ননা ভক্তশিংনা পূজা তৌই, অদুগুমহনা শ্রীমন্দিরগী মশক ওইবা ভক্তবুসু মান্ননা পূজা তৌকম থোকই, মরমদি, ভক্তগী থমোইদা কৃষ্ণ লৈবা মরম্না অসুম হাঙ্গনা অর্থ তৌবা আসদা ভক্তবু ঈশ্বরগী মশক ওইনা (ঈশ্বরগা মান্ননা) অর্থ তৌরে। ভক্তদি কৃষ্ণগী মনাইনি।

ভক্তশিংনা মাবু নত্তনা অতোপ্পা কনাবুসু খঙ্ঙবা লৈতে, মহাকসু ভক্ত নত্তবা অতৈ কনাবুসু খঙ্বা লৈতে ; মরম অদুনা মানা কৈদোইদেসু ভক্তবু থাদোকপা পাম্দে মরম পূর্ণমক অসীনা হাঙ্গদ্রিবনি, "ভক্তগী থমোইদা অতৎপা লৈতনা শ্রীকৃষ্ণগী পোংথাফম্নি।" ভক্তগী থম্মোইদা মহাক্না মতম লৈবথিবিক্তা মুংতাইহনতা লৈ, করিগুম্বা মতমদা অরাবগী মমি কাওবা তাদে। মরমদি, ভক্তশিংনা মাওোম্দা করিগুম্বা মতমদা অরা-অনাগী দমক হাঙ্জদে।

পয়ার অসীগী প্রমাণ ওইনবা শ্রীমদ্ভাগবতগী শ্লোক অমীদং শাস্ত্রোক্তনা উচ্চারি।

শ্লোক। ৩০। অন্বয়। সাধবা (সাধুশিংনা) মহ্যং (ঐগী) হৃদয়ং (থমোই) অহংতু (ঐসু) সাধু (সাধুশিংগী) হৃদয়ং (থমোক) তে (মথোঙ্গনা) মদন্যৎ (ঐ নত্তনা অতোপ্পা) ন জানন্তি (খঙদে) অহং (ঐ) অপি (সু) তেভ্যঃ (মথোঙ্গবু নত্তনা) মনাক (বিন্দু)

তত্রৈব (১।১৩।১০)—

ভবদ্বিধা ভাগবতা তীর্থী ভূতাঃ স্বয়ং প্রভো।
তীর্থীকুর্ব্বন্তি তীর্থানি স্বান্তস্থেন গদাভৃতা ॥ ৩১

গৌর-কৃপা টীকা

ন জানে (খঙ্দে)।

অনুবাদ। শ্রীভগবান্না হাঈরি, "সাধুশিংনা ঐগী থম্মোয়নি, ঐস্নু সাধুশিংগী থম্মোয়নি। মখোয়না ঐবু নত্তনা অতোপ্পা কনাবুস খঙবা লৈত্তে, ঐস্নু মখোঈবু নত্তনা অতৈ কনাবুন্নু বিন্দু অমা খাঙবা খঙ্বা লৈত্তে" ৩০।

শ্লোক অসীদা ভক্ত অমস্তুং ভগবান্ অনীগী থমোই অমগা অমগা মান্নবগী বা হাঈরি। ভক্তশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা ভগবানবু খন্দুনতা লৈ; ভগবান্ নত্তনা মখোঈনা করিগুম্বা পোৎ অমদা মরু ওইবনি হাঈনা খন্দে ; মরম অসীনা ভগবান্না মতম লৈবা খিবিক্তা ভক্তগী থমোইদা লৈ; অদুগুমন্না ভগবানস্নু ভক্ত নত্তনা অতোপ্পা কনাবুস্নু মাগী মংগাইকরি হাঈনা নীংদে, মহাক্সু মতম লৈবখিবিক্তা ভক্তবুতা খন্দুনতা লৈ ; ভক্তস্নু মতম পূর্ণমক্তা ভগবানগী থমোইদা ওান্দুনা লৈ ; মরম অসীনা ভক্তবুন্নু ভগবানগী থম্মোয় হাঈনৈ। শ্লোক অসিনা ভক্তগী থম্মোয়দা মতম লৈবখিবিক্তা ভগবান্না লৈ হাঈবগী প্রমাণনি। অমস্তুং ভক্তগী কৃপা নত্তনা ভগবানবু ফংবা ওইথোক্তবনি হাঈবস্নু খঙহল্লী।

শ্লোক ৩১। অন্বয়। প্রভো (হে প্রভো)! ভবদ্বিধা (নংগী—নংত্তৌগুম্বা) ভাগবতাঃ (ভগবদ্ভক্তশিং) স্বয়ং (মশানা) তীর্থী ভূতা (তীর্থগী মশক)। স্বান্তঃ স্থেন (মশাগী থমোইদা লৈরিবা) গদাভৃতা (গদাধরনা—গদাপাঈবনা) তীর্থানি (তীর্থ পূর্ণমকপু) তীর্থী কুর্ব্বন্তি (তীর্থ ওইহল্লী)।

অনুবাদ। যুধিষ্ঠিরনা বিদুরদা হাঈখি—হে প্রভো! নহাক্কী নত্তৌগুম্বা ভগবদ্ভক্তশিংদি মশানা তীর্থগী মশক ওইজরে। মশাগী থমোইদা লৈরিবা গদাধর ভগবানগী মপুন্না মখোঈনা তীর্থগী মকম পূর্ণমকপু অমুক লোথংদুনা তীর্থ ওইহল্লী ।৩১

বিদুর বৈষ্ণবনা তীর্থ কোঈরগা যুধিষ্ঠিরগী মনাক্তা থুংলবা মতমদা যুধিষ্ঠিরনা শ্লোক অসি হাঈখি। শ্লোক অসীগী মর্ম্মদি :—

তীর্থ পূর্ণমক অসিনা জীববু শেংবা হেনহল্লী ; মী অয়াম্বনা মশাবু শেংনবগী, পাপ কোক্রবগীদমক তীর্থ যাত্রা চৎই। চৎইগুবস্নুং বিদুরগী মত্তৌগুম্বা অথোইবা ভাগবতশিংদি, মশাবু শেংননবগীদমক তীর্থ যাত্রা (তীর্থ কোঈবা) চৎকবগী কান্নবা লৈত্তে ; মরমদি মখোঈগী মশাদা করিগুম্বা অমাংবা অমত্তা লৈত্তে। ইবুংঙো মহাক্কি অশেংবা পূর্ণমকী চুংনকরি, মাবু নীংশিংবতদা জীবনা মহুং-মশান্ শেংই, অদুম ওইবা গদাধর শ্রীভগবান্না

সেই ভক্তগণ হয় দ্বিবিধ প্রকার।
পারিষদগণ এক, সাধকগণ আর॥ ৩১

অর্থ :—

ভক্ত ময়াম অদু মথল অনি থোক্না থাঙ্গরি।
লোঙ্গনবশিং অমগা সাধকশিং অনুম্বা থাঙ্গরি॥ ৩১

গৌর-কৃপা টীকা

অথোইবা ভাগবতশিং অসিগী থমোইদা মতম্ পুম্নমক্তা চান্দুনা লৈ, মরম অদুনা মথোঙ্গী মতুংদা অমাংবগী মখি ফাওবা তাবা ঙমদে। অদুম্ ওইনমক্ মথোঙ্গনা তীর্থ যাত্রা তৌই, মাদুদা মথোঙ্গী করিম্ থোংজবা লৈতে, থোংজরিবদি তীর্থ মকমশিং অদুনি। অচাকপা মৈদা খী-কৈজিন্নগা অমুক হেন্না চাক্থংপগুম্না মশানা শেংজরবা তীর্থ পুম্নমক অদু অথোইবা ভাগবতশিং অদুনা লাকপদা মথংঙ্গী থম্মোইদা লৈরিবা ভগবান অদুগা শোরুবদা তীর্থ অদু অমুক হেন্না শেংবা হেনগংখ্রে মহাতীর্থ ওইখ্রে। (মহাতীর্থ কুর্ব্বনি পাবনা পাবনানামিত্তিব্য—শ্রীল চক্রবর্ত্তিপাদ)।

৩১। ভক্তশিংগী থমোইদ। শ্রীকৃষ্ণনা অতংপা লৈতনা পোংথাদুনা লৈ হাঙ্গরিবা ভক্ত অসি মথন অনি ওরি, মাদুদি : ভগবৎকা লোঙ্গনবা অমসুং সাধক ভক্ত অনি অসীনি।

লোঙ্গনবাভক্ত—ভগবানগী ইমুং-মনুংগী মতোৎপুম্না মতম পুম্নমক্তা লোঙ্গনদুনা লৈবা অদুবু পার্ষদ-ভক্ত (লোঙ্গনবা ভক্ত) কৌই। লোঙ্গনবা ভক্তসি অমুক মথল অনি থোক্নি, মাদুদি :—নিত্যসিদ্ধ অদুগা সাধন সিদ্ধ। অনাদিকালদগী শ্রীভগবানগী ইমুং মনুং ওইদুনা লীলাদা থেংবাংলিবা মায়ানম্ভ কুপশিনবা ঙমত্রবা মথোঙ্গ অদুবু নিত্যসিদ্ধ লোঙ্গনবা ভক্ত কৌই। নিত্যসিদ্ধগী মনুংদা কনা কনাগুম্না শ্রীভগবানগী মশাদগী থাইদোকপা য়াওই, মাদুদি শঙ্কর্ষণচিংবা; কনা কনাগুম্না শক্তিনা ওইনা য়াওই, মাদুদি ব্রজগী ইবেম্মাশিং অসিনী, অদুগা নিত্যসিদ্ধ ওইবা জীবসু লৈবা য়াই।

অদুগা কনাগুম্বা খরনা মতম খরা মায়াদা লৈদুনা সংসারগী লিচং-চংলম্নগা তুংদা তাব তারক্লনা শ্রীভগবান নীংলক্লনা কৃপা কংদুনা সিদ্ধি ওইরগা ভগবৎকা লোঙ্গনবা কংতি; মথোঙ্গ অদুবু সাধন-সিদ্ধ লোঙ্গনবা ভক্ত কৌই।

সাধক ভক্তশিং—সংসারদা লৈন-লৈনা ভক্তিগী লম্বিদা চংজরক্লিবশিং অদুবু সাধক ভক্ত কৌবা য়াই; তৌইওইসুং শাস্ত্রগী নিয়মদা য়েংন্নরবদি হোৎনজরকপা ভক্তি অদুনা থাক্ খরা য়াংলকপা মতমদা সাধক ভক্ত কৌই। শ্রীকৃষ্ণ উনবদা ম'তক চারবা ভক্ত অদুবু সাধক ভক্ত কৌই। বিল্বমঙ্গল ঠাকুরগী মতোৎপম্বা ভক্ত মখে সাধক ভক্তনি। ভক্তগী থমোইদা শ্রীকৃষ্ণনা ভক্তগী প্রেম থক্লনা লৈ। মী অদুনা প্রেম লৈত্রবদি ভগবানসু

ঈশ্বরের অবতার এ তিন প্রকার—
অংশ অবতার আর গুণ অবতার ॥৩২
শক্ত্যাবেশ—অবতার তৃতীয় এমত।
অংশ—অবতার—পুরুষ মৎস্যাদিক যত ॥৩৩
ব্রহ্মা বিষ্ণু শিব,—তিন গুণাবতারেগনি।
শক্ত্যাবেশে—সনকাদি পৃথু ব্যাসমুনি ॥৩৪

অর্থ :—

ঈশ্বরগী অবতার অসি মখল অহুম ওরি।
অংশ অবতার অমুগা গুণ অবতার ওইরি ॥৩২
অহুম শুবদা শক্ত্যাবেশ অবতার ওইবনি।
ঙা-নচিংবশিং অসিদি অংশ অবতার নি ॥৩৩
ব্রহ্মা বিষ্ণু শিব,—অহুমসি গুণাবতার নি।
সনক্—নচিংবা পৃথু ব্যাস মুনি শক্ত্যাবেশনি ৩৪

গৌর-কৃপা টিকা

চানিংঙাই থক্লিংঙাই লৈতহুনা মহাকী থমোইদা লৈতে। থোইহি চেন্দবা লৈদা থোইমু ভাংদবগুম্বনি।

৩২—৩৪। পয়ার অহুম অসীদা অবতারগী বা হাঈরি। অবতার মখল অহুম্নি—অংশাবতার, গুণাবতার অমসুং শক্ত্যাবেশ অবতার। অংশাবতারবু—মশাদগী থাইবা (সাইওন পুথোকপা) কৌই; থাজৈশেংবা মশামকগী শক্তি থবা হয়না মথোইদা লৈ। কারনার্ণবশায়ী, গর্ভোদশায়ী অমসুং ক্ষীরোদশায়ী নীপা অহুম অসিগা মৎস্য (ঙা) কূর্মাদি (থেজ্‌নচিংবা) অবতারসিগা—অংশ অবতার নি।

জগৎ শেম্বা (সৃষ্টি) লৈহনবা (স্থিতি) মাঙহন্নবগী (সংহারগী) দমক রজঃ, সত্ত্ব অমসুং তমোগুণগী মপু ওইবা অনিঙবা নীপা গর্ভোদশায়ী দগী মথংলিংনা ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং শিব আবির্ভূত ওই (পুথোকই); সত্ত্বনচিংবগুণগী মপুনি হাঈহুনা মথোইবু গুণাবতার কৌই। মথোয়গী মমুংদা ব্রহ্মানা রজোগুণগী মপূনি, মহাক ব্যষ্টি জীবগী সৃষ্টি কর্ত্তানি। বিষ্ণুনা সত্ত্ব-গুণগী মপূনি, মহাক্না জগৎপু ঙাক্না লৈ। অমুগা শিবনা তমোগুণগী মপুনি; মহাক্না জগৎপু মাঙহল্লী। কল্প কল্প অমুদা ভগবান্না মতিক চাবা জীব বংলগা ব্রহ্মা অমসুং শিবগী থবক তৌহল্লী। মতৌ অসিগুম্বা ব্রহ্মাবু জীব-কোটি ব্রহ্মা অমসুং শিববু জীব-কোটি শিব কৌই; মথোয় অসি আবেশাবতারনি। অমীগুবা মীপাদগী থাইথখিবা মথোয় অমুবু ঈশ্বর কোটি কৌই।

দুইরূপে হয় ভগবানের প্রকাশ—।
একেত প্রকাশ হয় আরেত বিলাস ॥৩৫
একই বিগ্রহ যদি হয় বহুরূপ।
আকারে ত ভেদ নাহি একই স্বরূপ ॥৩৬
মহিষীবিবাহে যৈছে কৈল রাস।
ইহাকে কহিয়ে কৃষ্ণের মুখ্য প্রকাশ ॥ ৩৭

অর্থ :—

ভগবান্না মথন অনি থোক্না কোংদোকই।
অমনা আর্বির্ভাব অতোপ্পানা বিলাস্ কৌই ॥ ৩৫
হকচাং অমতনা শকলোন্ য়াম্না ওইথিবান।
মওংদি খেন্নবা লৈতে মশক অমতনি ॥ ৩৬
লুহোংবদা রাস শান্নবদা ওইখিবা মওংনি।
মাদুবু কৃষ্ণগী মক্ক ওইবা আবির্ভাবনি ॥ ৩৭

তথাহি (ভা: ১০।৬৯।২)
চিত্রং বতৈতদেকেন বপুষা যুগপৎ পৃথক্।
গৃহেষু দ্ব্যষ্টসাহস্রং স্ত্রিয় এক উদাবহৎ ॥ ৩২

গৌর-কৃপা টিকা

ভগবান্না জ্ঞান শক্তিগা লোঈননা অথোইবা জীবশিংদা চংদুনা লৈবা মতমদা মথোইবু শক্ত্যাবেশ অবতার কৌই। শক্ত্যাবেশ অবতারগী মশক্তি ভক্তনি। সনক্-নচিংবা সনৎকুমার, সনক, সনন্দন্ অমসুং সনাতন পৃথু—পৃথুনিংথৌ।

৩৫। কোংদোকই—গী অর্থ মীগী ময়োল্দা প্রকাশ হাঈবনি। অদুবু মী অয়াম্বনা থঙ্বদা দুংগাইনবা অমসুং লাঈনা তাব তাননবগীদমক প্রকাশকী মহুংতা আবির্ভাব ওইনা শিজিন্নরে। পয়ার ৩৮/৩৯ দা বিলাস কী লক্ষণ ইরি।

৩৬—৩৭। মশক অমতগি—হকচাং অমতনি। শকলোন য়াম্না ওইথিবনি—মকম অয়াম্বদা মূর্ত্তি তোঙান-তোঙান্না পুথোক্না উহল্লী, মূর্ত্তিদনি তোংগান্নিবা মশক্তি ইমান্-মাইরে।

দ্বারকাদা শ্রীকৃষ্ণ মতোমদনা মতম অমতদা যুম লিশিং তরাতরুক্তা লৈদুনা মুপীলিশিং তরা-তরুক লুহোংখি। শ্রীকৃষ্ণনা মূর্ত্তি লিশিং তরা তরুক তোংগান-তোংগান্না ওইরিবা অসি শকরুম, গুণ করিসু খেন্নবা লৈতে, মূর্ত্তি পুম্নমক অসি য়েংবদা চপ্-মাইরে।

তত্রৈব (১০।৩৩।৩)—

রাসোৎসবঃ সম্প্রবৃত্তো গোপীমণ্ডল মণ্ডিতঃ।
যোগেশ্বরেণ কৃষ্ণেণ তাসাং মধ্যে দ্বয়োর্দ্বয়োঃ॥
প্রেবিষ্টেন গৃহীতানাং কণ্ঠে স্বনিকটং স্ত্রিয়ঃ।
যং মন্যেরন্ ॥৩৩

গৌর-কৃপা টিকা

শরৎ ঋতুগী মহারাসকী মতমদদা শ্রীকৃষ্ণ মত্তোমদনা গোপী খুদিংগী মনাক্তা মূর্ত্তি অমমম্ পুথোকাখি। পুথোকখিবা শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তি পুম্নমক অদু মশক অমদুং মণুণ চপ মান্নে করিস্ত্র খেন্নবা লৈতে মত্তৌ অদুম তৌবা অসিবু প্রকাশ নত্রগা আবির্ভাব কৌই।

শ্লোক। ৩২। অন্বয়। একঃ (মত্তোমত্তনা) একেন (অমত্তাওইবা, খেন্নদবা) বপুষা (হকচাংনা) যুগপৎ (মতম অমত্তদা) পৃথক্ (তোঙাম্না) গৃহেষু (য়ুম ময়ামদা) দ্ব্যষ্টসাহস্রং (লিশিং তরা তরুক) স্ত্রিয়ঃ (নুপীবু) উদাবহৎ (লুহোংখি) বত (ওহ্মোক্পা,-য়াম্না) চিত্রম (ঙকখে)।

অনুবাদ। নারদনা হাঙ্গখি—ভগবান শ্রীকৃষ্ণ মত্তোমত্তনা হকচাং অমত্তনা মতম অমত্তদা তোংঙান্-তোঙান্বা য়ুম খাবক্তা মূর্ত্তি—কোংদোক্লুনা তোঙান্-তোংঙান্না নুপী লিশিং তরা-তরুক লুহোংহুনা। দৌ'খ, মাসি য়াম্না (ঙ-হ্নাক্না) অঙকপনি।

নারদনা মতম অমদা তাখি— শ্রীকৃষ্ণনা 'নরক' কৌবা হিংচাবা অমবু হাৎলগা নুপীমচা কন্যা লিশিং তরা-তরুক নরকী ময়ুমদগী দ্বারকাদা পুরক্লুনা কৃষ্ণ মত্তোমদনা হকচাং শবদোন লিশিং তরা-তরুক পুথোক্লুনা মতম অমত্তদা তোংঙান্—তোংঙান্বা য়ুমদা লুহোংখি, মতম অহুদা নারদনা ঙক্লুনা হাঙ্গখিবা বা অদু শ্লোক আসনি। কন্যাশিং অসি নরক হিংচাবগী নুপী ওইরম্বা নত্তে, মানা অতোপ-অতোপ্পা লৈবাক্তগী কাহ্না পুরকপা নিংথৌমচাশিং ঙাক্তনি, বন্দি থনম্বান।

ভগবান্দি মাথনগী মাংমদা লৈবনি, মানা নীংবগা তৌবা ঙম্বনি, মকম খুদিংদা মতম পুম্নমক্তা লৈরিবাননা মশক চপ মাম্নবা হকচাং মশিং নাইদনা পুথোকপা ঙম্মী।

শ্রীকৃষ্ণনা দ্বারকাদা নুপী লুহোংবদা শক্লোন্ য়াম্না পুথোকখি হাঙ্গবা অদু শ্লোক অসিনা প্রমাণি।

শ্লোক। ৩৩। অন্বয়। কণ্ঠে গৃহীতানাং (খোঙ্গীদা কোন্বী) তাসাং(গোপীশিংগী) দ্বয়োর্দ্বয়োঃ (নী অনি অনিগী) মধ্যে (মরক্তা) প্রবিষ্টেন (চংলবা) যোগেশ্বরেণ

তথাহি লঘুভাগতামৃতে, পূর্ব্বখণ্ডে (১/২১)

অনেকত্র প্রকটতা রূপস্যৈকস্য যৈকদা।
সর্ব্বথা তৎস্বরূপৈবস্ প্রকাশ ইত্যীর্য্যতে ॥ ৩৪

একই বিগ্রহ কিন্তু আকারে হয় আন।
অনেক প্রকাশ হয় "বিলাস" তার নাম।।৩৮

অর্থ :—

হকচাং অমত্তনা শকৃওং তোঙান্-তোঙানববু।
মমিং "বিলাস" কৌই, য়ায়া কোংদোকৃপা অত্তবু ।।৩৮

গৌর-কৃপা টিকা

(যোগেশ্বরনা) কৃষ্ণেণ (কৃষ্ণণা) গোপীমণ্ডল—মণ্ডিতঃ (গোপী মণ্ডা লৈতেংবা) রাসোৎসবঃ (রাস কী হয়াওবা উৎসব) সম্প্রবৃত্ত (চংখোম্না হৌরে) ; স্ত্রিয়ঃ (নুপীশিংনা) য়ং (শ্রীকৃষ্ণবু) স্বনিকটং (মশাগী মনাক্তা) মন্যেরন্ (মপুক্লিংদা নীংখি),

অনুবাদ। গোপী পূম্নমক্তা কোঈশিন্দুনা রাস (জগোই) নীংখিনা শান্নবা হৌরে। যোগেশ্বর শ্রীকৃষ্ণনা গোপী আনি-অনিগী মরক্তা লৈহুনা মখোঈগী মখোয়দা কোন্বীরে, মতুদা গোপীশিংগী খুদিংমক্তা মপুক্লিংনা নীংখি, শ্রীকৃষ্ণনা মশাগী মনাক্তা লৈরে ।৩৩।

রাস—মহাও লৌবদা হুংঙাইরবা রস পূম্নমক্তা তিন্বগী জগোই।

উৎসব—হয়াও—কুম্মৈ তৌবা মুমিৎ।

যোগেশ্বরেণ কৃষ্ণেণ—য়াম্না হুংঙাইবগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু যোগেশ্বর কৌই। যোগা+ঈশ্বর—যোগেশ্বর। যোগা—যোগমায়া, ওইথোক্তববু ওকহনবা ঙম্বী মহা শক্তিনি। মহাকী ঈশ্বরনি হাঈহুনা যোগমায়াগী ঈশ্বরনি হাঈহুনা যোগেশ্বর কৌই। রাসকী মতমদা গোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণদা কোয়াংবগী থৌয়াংবা অসি খঙলহুনা যোগমায়ানা মতম অমত্তদা শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তি ময়াম পুখোক্তুনা গোপী অনি-অনিগী মরক্তা শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তি অমমম লৈহনখি। মাসি যোগমায়াগী থৌজমনি। কণ্ঠে গৃহীতানাং—শ্রীকৃষ্ণনা পান্থোম অনি অহুনা গোপী খুদিংমকী থৌয়াদা কোন্বীখি। রাসকী মতমদা মূর্ত্তি ময়াম পুথোকখিবত্থ শ্লোক অসিনা প্রমাণি।

শ্লোক। ৩৪। অন্বয়। একস্য (অমত্তনা) রূপস্য (শকী) অনেকত্র (মকম অয়াম্বদা) একদা (মতম অমত্তদা) যা (অহুম ওইবা) প্রকটতা (কোংদোকপা) সর্ব্বথা (ময়ম-খুদিংমক্তা) তৎস্বরূপা এব (মন্থ ওইবা শক অহুদা মান্নবা) সঃ (মাহু) প্রকাশ (কোংদোকপা, পুথোকপা) ইতি (অহুম্না) ঈর্য্যতে (হাঈ)

অনুবাদ। মঙা, গুণ অমত্তং লীলানচি বা ময়ম খুদিংমক্তা তশেং-তঃশংনা শক (মূর্ত্তি) অমত্তা লৈরগা মূর্ত্তি (বিগ্রহ) অহুনা মতম অমত্তদা মকম অয়াম্বদা কোংদোক্তুনা

তত্রৈব তদেকাত্মরূপ কথনে (১/১৫)–
স্বরূপমন্যাকারং যত্তস্য ভাতি বিলাসতঃ।
প্রায়েণাত্মসমং শক্ত্যা সবিলাসো নিগদ্যতে।। ৩৫

গৌর-কৃপা টিকা

(আবির্ভাব ওইহনা) লৈরুবা অমুবু প্রকাশ (কোংদোকপা) কৌই।

একস্য রূপস্য—হকচাং অমতনা। তৎস্বরূপ-মওংদা, গুণ লৈবদা, লীলাদা তশেং-তশেংনা মরূওইবা শক অমুগা মান্নবা।

৩৮। চৌথিক "বিলাসকী" মওং হাঈজরি। হকচাং অমতনা—স্বরূপ অমতনা, বিগ্রহ অমতনা। শকৃওং—মওং। তোঙান-তোংঙানবা—মহৌশাগী হান্নগী ওইরম্বা শকৃওংদগী তোপ্পা মান্না কোংদোকপ-মান্না আবির্ভাব ওইবা।

হকচাং অমতনা শকৃওং মূর্ত্তি তোংঙান—তাঙান্দুনা আবির্ভাব মান্না ওইবা অমুবু "বিলাস" কৌই। কোংদোকপা (পৃথাকপা) গী মতৌগুম্না বিলাস আসুম্ ঈশ্বর অমতনা ওইবা আবির্ভাব মথল অমনি তৌইগুম্বসুং অনি অসিগী থেন্নবা হাঈববু রূপকী মতমদা কোংদোকপনা (মূর্ত্তি পুথোকপনা) মহৌশা লৈরম্বা হকচাংগা কোম্না পুথোকপা হকচাংগা রূপ, গুণ পুম্নমক চপমান্নে ; অমুগা "বিলাস" হাঈবসিদি মহৌশা হাপ্পা লৈরম্বা হকচাং শকওংগা কোম্না পুথোরক্লবা হকচাং শকওংগা মান্নদে, থন্না থেন্নে শক্তিন-চিবন্থ মরূদগী-হান্নগী হকচাংদগী থুন্না হৈ। মতুংগী প্রমাণ শ্লোকতগী থম্বা উদ্বিগনি। পরব্যোম-নাথ নারায়ণ, শ্রীবলদেবচন্দ্র অসীনগিবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস কী শকৃওংনি।

শ্লোক। ৩৫ অন্বয়। তস্য (মহাকী) যৎস্বরূপং (অমুগুম্বা মশক্তা) বিলাসত : (লীলানা মরম ওইহনা) অন্যাকারং (অতোপ্পা মওংদা) প্রায়েণ (অম্নাম্বা শরুক্তা) আত্মসমং (মরূপা মান্নবা) ভাতি (ভান্নি কোংদোকৃই) সঃ (অদুম ওইবা) বিলাস: (বিলাস) ইতি (অসুম্না) ঈর্য্যতে (হাঈরি)।

অনুবাদ। থাজেশোংবা মশাগী মশক অমুনা লীলা শান্নবদা মশক মওং অমা ওইনা তোপথোকলুনা অম্নাম্বা শরুক্তা মরূ ওইবা শক অমুগা (থাজেশোংবা শক অমুগা) মান্নবা কোংদোকপা অমুবু বিলাস কৌই।

অন্যাকারং—বিলাসকী মওংগা মরূ ওইবা শক অমুগা অমতং ওইবা নত্তে, মান্নদে ; শ্রীকৃষ্ণনা পাখোম অনি পাল্লি, মহাকী বিলাসকী মশক ওইবা শ্রীনারায়ণনা থুংমরি পাল্লি; শ্রীকৃষ্ণনা শ্যামবর্ণনি (শংবান্নবা কুচুনি) মহাকী বিলাসকী মশক ওইবা শ্রীবলদেবনা অঙৌবা কুচুনি।

যৈছে বলদেব পরব্যোমে নারায়ণ।
যৈছে বাসুদেব প্রদ্যুম্নাদি সঙ্কর্ষণ॥৩৯
ঈশ্বরের শক্তি হয় এ তিন প্রকার-।
এক লক্ষ্মীগণ পুরে মহিষীগণ আর॥৪০

অর্থ :—

বলদেবনা পরব্যোমদা নারায়ণ ওই।
কৃষ্ণনা বাসুদেব সঙ্কর্ষণ প্রদ্যুম্ন ওই॥৩৯
ঈশ্বরগী শক্তি মখল অহুম থোক্না খাইরি॥
লক্ষ্মীশিং অমুগা কোম্মুংগী মহিষীশিং নাইরি॥৪০

গৌর-কৃপা টীকা

প্রায়েণ আত্মসমং—প্রায় শব্দনা গুণ হন্নবা থইনৈ, বিলাসকী মওং ওইনবদি মন্না ওইবা মশাগী গুণ থম্না হঙ্গরে, বাংলে।

৩৯ পয়ার অসীদা বিলাস কী খুদম পীরি। বলদেবনা পরব্যোমগী মপু নারায়ণ ওই অমসুং বাসুদেব, সঙ্কর্ষণ, প্রদ্যুম্ন অমসুং অনিরুদ্ধ দ্বারকাগী ব্যূহ মরিনি—মখোই পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণগী বিলাসকী মশক্নি।

৪০। আবির্ভাবকী মরমদা থম্না হায়জরে, ঈশ্বরগী শক্তিগী মরম হায়বা হৌজরি। শ্রীকৃষ্ণগী অনন্ত শক্তি মশিং য়াম্বা ওইরবসু মখোয়না মরক্তা লৈবা শক্তিগী মসুংদা (১) অন্তরঙ্গা চিচ্ছক্তি (২) বহিরঙ্গ মায়া শক্তি (৩) অমসুং তটস্থা জীব শক্তিনা অপোইবনি। মসিগী অন্তরঙ্গা চিচ্ছক্তিদি অমুক মখল অহুম থোকই—(১) হ্লাদিনী (২) সন্ধিনী (৩) সংবিৎ। শ্রীকৃষ্ণবু নুঙাইহল্লিবা শক্তি অদুবু হ্লাদিনী শক্তি কৌই; মশাগী অমসুং পুম্নমক্কী অকরা অচুম্বা ওইরক্লিবা শক্তি অদুবু সন্ধিনী কৌই, অদুগা মশাবুসু মশক খঙহনবা অমসুং অতৈ প্রাণীবু খঙহনবা ঙম্বা শক্তি অদুবু সংবিৎ শক্তি কৌই। পয়ার অসিদা হ্লাদিনীগী বারেন তাক্নরে। হ্লাদিনী শক্তিগী বিলাস মখল অহুম থোক্লকৈ—মখল অমনা ব্রজগী কৃষ্ণগী চান্নবী-গোপীশিংনে, দ্বারকাগী কৃষ্ণগী ইবেম্মাশিংনে, অমসুং বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মীশিংনে ওইরম্মসিনি। মখোই পুম্নমক অসি হ্লাদিনী শক্তিগী বিলাস ওইরি।

পরব্যোমগী মসু দা ভগবৎকী ধাম মশিং নাইদনা লৈ, ধাম খুদিংমক্পু, বৈকুণ্ঠ কৌই। ভগবানগী মশক পুম্নমক অসিগী ইবেম্মাশিংবু লক্ষ্মী কৌই। ঈশ্বরগী শক্তি- হ্লাদিনী শক্তি।

ব্রজে গোপীগণ আর সভাতে প্রধান।
ব্রজেন্দ্রনন্দন যাতে স্বয়ং ভগবান্ ॥৪১
স্বয়ংরূপ-কৃষ্ণের কায়ব্যূহ,—তাঁর সম।
ভক্ত সহিতে হয় তাঁহার আবরণ ॥৪২

অর্থ :—

ব্রজগী গোপীশিংনা খ্বাইদগী অহেনবনি।
ব্রজেন্দ্র নন্দনদি থাজৈশেংবা ভগবানি ॥৪১
স্বয়ংরূপ-কৃষ্ণগী কায়ব্যূহগা মান্নৈ মাগা।
মহাক্কী কুন্নাম ওই ভক্ত ময়াম্না পূনশিন্নগা ॥৪২

গৌর-কৃপা টীকা

৪১। ব্রজগী গোপীশিং—যশোদানচিংবী হন্নবীশিংবু নত্তে; মখোইদি সন্ধিণী শক্তিগী বিলাসনি; হ্লাদিনী শক্তিগী বিলাস নত্তে।

গুপ্ ধাতুদগী গোপী শব্দ থোকই, গুপ্ ধাতুগী অর্থদি ঙাকপা হায়রিবনি, করিবু ঙাক্লিবগে হায়বদা শ্রীকৃষ্ণবু থুহুম চন্দুনা থম্বা ওয়নবগীদমক অতোপ্পা-মকমদা লাপ্না চত্তনবগী দমক য়াম্না কন্না ঙাক্তুনা লৈরিবা নুপীশিং অদুবু গোপী কৌই। শ্রীকৃষ্ণবু থুহুম চন্দুনা থম্নবগী উপায়দি প্রেমনি; শ্রীকৃষ্ণদি প্রেমগী মথা পোল্লী, শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবীশিং অসি প্রেম মপুং ফানা লৈ অদুনা মখোইনা প্রাণনাথবু মপুংফানা থুহুম চনবা ঙম্মী। শ্রীকৃষ্ণগী হায়নীংঙাই লৈত্তনা ফজবা মাধুর্য্য অদু মপুংফানা মহাও (রস) চুপ্নবগী উপায়গী মথক ওইবা মহাভাব সম্পত্তি ঙাকই হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবীশিংবু গোপী কৌই।

৪২। স্বয়ং ভগবান ব্রজেন্দ্র-নন্দনগী চান্নবীনি হায়দুনা গোপীশিংনা মতো করম্না চল্লীশিং অমসুং কোমুংগী নুপীশিংদগী হেন্নবগে? পাওখুম—গোপীশিং অসিদি শ্রীকৃষ্ণগা মান্ন হায়দুনা অতৈ নুপী পুম্নমক্কী হেল্লীবনি।

স্বয়ংরূপ—মহাক্কী মথক অদু অতোপ্পা কনাগুম্বা অমদগী ওইরকপা নত্তবা, মশানা অমুক ওইজরবা স্বতঃ সিদ্ধ ওইজরবা অদুবু স্বয়ংরূপ কৌই। পরব্যোমনাথ নারায়ণচিংবা অতোপ অতোপ্পা ভগবৎকী মথক পুম্নমক লৈরিবশিং অসিগী মরুদি শ্রীকৃষ্ণনি। শ্রীকৃষ্ণদি স্বয়ং-সিদ্ধনি। "স্বয়ং ভগবান্ কৃষ্ণ ব্রজেন্দ্র নন্দন।" "ঈশ্বর : পরমঃ কৃষ্ণ সাচ্চদানন্দবিগ্রহ অনাদিরাদির্গোবিন্দঃ সর্ব্বকারণ-কারনম ॥ ব্রহ্মসংহিতা। ৫। ১।"

কায়ব্যূহ—হকচাং পুম্নমক, আবির্ভাব পুম্নমক। কায়-মূর্ত্তি। ব্যূহ-পুম্নমক। অশেংবা মশাগা কায়ব্যূহগা খেন্নদে। সৌভরীনচিংবা ঋষিশিংনা যোগকী পাঙ্গলনা কায়ব্যূহ

ভক্ত আদি ক্রমে কৈল সভার বন্দন।
এ সভার বন্দন সর্ব্ব-শুভের কারণ ॥৪৩
প্রথম শ্লোকে কহি সামান্য মঙ্গলাচরণ।
দ্বিতীয়-শ্লোকেতে করি বিশেষ বন্দন ॥৪৪
বন্দে শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য – নিত্যানন্দৌ সহোদিতৌ।
গৌড়োদয়ে পুষ্পবন্তৌ চিত্রৌ শন্দৌ তমোনুদৌ ॥৩৬

অর্থ :—

থুরুমজরি ভক্তনচিংবা সভা মরাদু।
থুরুম্বা অসি মঙ্গলগী মশক্নি সভাবু ॥৪৩
অহানবা শ্লোক্তা সামান্য মঙ্গলাচরণি।
অনিশুবা শ্লোক্তা অখন্না থুরুম্বনি ॥৪৪

গৌর-কৃপা টীকা

পূর্ণোকপা অহুগা থাঙ্গৈশেংবা মশাগা করিমু খেন্নবা লৈহন্দে, অহুগুম্হুনা শ্রীকৃষ্ণগী মশা অহুমকা মশা কায়ব্যূহগী মশক ওইবা চান্নবী গোপীশিংগা খেন্নদে। গোপীশিং অসি শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং ভাক্কনি আবির্ভাব ভাক্কনি। শ্রীকৃষ্ণনা গোপী ওইনা মূর্ত্তি অমা ওইনা পুর্ণোক্পনি। শ্রীকৃষ্ণগী ইমুং-মচুং লোইনবা পূন্নমক মাগী শক্তিগী বিলাসনি, মরম অসিনা বিলাস মখে কৃষ্ণগা মান্নে। শক্তিগা শক্তিমানগা খেন্নদবগুম্বনি। ভগবান্না বিলাসকী মশক ওইহনা লীলা শান্নবা থাব অহুপা চান্নবীশিংমু মূর্ত্তি হাংদোক্লুনা (বিলাস ওইহনা) শান্নবা য়াওই। দ্বারকানাথ শ্রীকৃষ্ণ অসি ব্রজেন্দ্র-নন্দনগী বিলাসনি অহুগা দ্বারকাগী ইবেমাশিংমু শ্রীরাধানা ওইবনি। মতৌ অমুম্না নারায়ণগী চান্নবী লক্ষ্মীমু শ্রীরাধাগী বিলাসনি। মরম অসিনা শ্রীরাধান দ্বারকাগী ইবেমশিংদগী অমসুং লক্ষ্মীদগী থোইদোক্ক-হেন্দোক্ই। শ্রীরাধানা পূন্নমক অসীগী মরূনি। ব্রজগী কন্নবীশিং অসি শ্রীরাধিকাগী কায়-ব্যূহনি, অহুনা লক্ষ্মশিংদগীমু হেন্নৌ।

লোইনহুনা ভক্তগা—নারদ, সদাশিব, বলদেবনচিংবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী লোইনবান কুয়োমনি অহুগুমহুনা শ্রীঅদ্বৈতনচিংবা শ্রীনিত্যানন্দ অমসুং শ্রীগদাধর পূন্নমক অসি শ্রীমান মহাপ্রভুগী কুয়োম্নি, লোইনবনি।

৪৪। সামান্য অমসুং অখন্না থুরুম্বগী টীকাদি শ্লোক অহানবা অমসুং অনিশুবদা য়াওব্রে, য়েংবিয়ু।

শ্লোক। ৩৬। অধ্যয় ১।১। ২ শ্লোক্তা য়েংবিয়ু।

ব্রজে যে বিহরে পূর্ব্বে কৃষ্ণ বলরাম।
কোটি সূর্য্যচন্দ্র জিনি দোঁহার নিজ ধাম ॥৪৫
সেই দুই জগতেরে হইয়া সদয়।
গৌড় দেশে পূর্ব্বশৈলে করিলা উদয় ॥৪৬

অর্থ :—

মমাংঙৈদা ব্রজদা শাম্নে কৃষ্ণ বলরামনা।
সুমিৎ থা কোটিবু হেন্নৌ, অনিগী মঙাম্না ॥৪৫
মচিন মনাও অনিনা জগৎপু চানবিদুনা।
থোক্লক্রে গৌড়দেশতা নোংপোক চীংনি নীংদুনা ॥৪৬

গৌর-কৃপা টীকা

৪৫-৪৬। "বন্দে শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য নিত্যানন্দৌ" শ্লোকী অর্থ তৌজরি। পয়ার অনি অসিগী মওদি :—দ্বাপর যুগতা প্রকট লীলাদা (থাই থঙনা কোংদোক্লা লীলা শান্নরিঙৈদা) ব্রজদা শ্রীকৃষ্ণ অমসুং বলরামনা থাই থঙনা শান্নরম্মী। মখোয়গী ঙকচাংগী মঙাম্না ঙানবদি সুমিৎ কোটিদগী হেন্না ঙাল্লী অমসুং থা কোটিদগী হেন্না ঙাংই। কলিগী জীববু চানবিদুনা শ্রীকৃষ্ণ বলরামনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অমসুং শ্রীনিত্যানন্দ ওইদুনা গৌড়দেশতা (নবদ্বীপতা) অবতীর্ণ ওইরে।

ব্রজদা বৃন্দাবনদা। মমাংঙৈদা- দ্বাপর যুগতা।

অনিগী মঙাম্না শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীবলরামগী মশাগী মঙাম্না। ধাম—মঙান, জ্যোতিঃ কান্তি। মখোয় অনিসগী মশাগী মঙাম্না সুমিৎ কোটি অমসুং থা কোটিবু মাইথিবা পীবা ঙম্মী। জগৎতা লৈরিব জীববু কৃপা তৌবিদুনা। গৌড়দেশতা—নবদ্বীপতা। নোংপোকচীং- উদয়াচল চীং, চীং অসিদগী সুমিৎ, থা থোরকই। সুমিৎ-থানা উদয়াচল কৌবা চীংদগী থোরবই; অদুগুমদুনা কৃষ্ণ বলরামসু গৌর-নিত্যানন্দগী মশক ওইদুনা নবদ্বীপতা অবতীর্ণ ওই (থোরবই)। গৌর-নিত্যানন্দনা সুমিৎ-থাগা চাংদম্নবা অসিনা শ্লোকতা য়াওরিবা পুষ্পবন্তৌ (সুমিৎ-থা) শব্দকী অর্থ ওইরে শ্রীকৃষ্ণন শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইনা অমসুং শ্রীবলদেবনা নিত্যানন্দ ওইনা অবতীর্ণ ওইরগে হায়বা বাহৈ অসিনা থঙনরিবদি শ্রীচৈতন্য অমসুং শ্রীনিত্যানন্দদি যুগাবতার নত্তে।

শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য আর প্রভু নিত্যানন্দ।
যাহার প্রকাশে সর্ব্বজগত—আনন্দ ॥৪৭
সূর্য্য চন্দ্র হরে যৈছে সব অন্ধকার।
বস্তু প্রকাশিয়া করে ধর্ম্মের প্রচার ॥৪৮
এই মত দুই ভাই জীবের অজ্ঞান।
তমোনাশ করি কৈল তত্ত্ববস্তু দান ॥৪৯

অর্থ :—

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অমসুং নিত্যানন্দনা।
জগৎপু নুংঙাইহল্লে মথোঙ্গনা ফোংদোক্পিবনা ।৪৭
নুমিৎ-থানা অমম্বা কোক্হন্বা অহুগুম্না।
পোৎলম্ শেংনা থঙ্‌ল্লী ধর্ম্ম শন্দোক্পিছ্না ॥৪৮
অসুম্না অনীনা জীবগী অপঙ্‌বা কোক্‌গল্লী।
তত্ত্বং বস্তু দান তৌহ্না অমম্বা মাঙহল্লী ৪৯

গৌর-কৃপা টীকা

৪৭। মথোঙ্গনা ফোংদোক্পিবনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অমসুং নিত্যানন্দ অনীনা আবির্ভাব ওইবনা। গৌর-নিত্যানন্দনা আবির্ভাব ওইবদা জীবগী হাঙ্গনী ডাক চেতন নুংঙাইরম্মী।

৪৮—৪৯। শ্লোকতা য়াওরিবা "তমোনুদৌ" শব্দগী অর্থ পয়ার ৪৮ দা অমসুং "শন্দৌ" গী অর্থনা পয়ার ৪৯ তৌজরি। নুমিৎ থানা আকাশতা থোকপা মতমদা জগৎকী অমম্বা পুম্নমক কোকহ, করিগুম্বা মফমদা পোৎ অমতং লৈবা অদু তশেং তশেংনা উহল্লী, অমসুং ধর্ম্ম-কর্ম্ম তৌবদসু থুদোং চাহল্লী। অদুগুমখুনা শ্রীচৈতন্য অমসুং শ্রীনিত্যানন্দনা নবদ্বীপতা অবতীর্ণ ওইবদা জীবগী পুক্নিংগী অমম্বা পুম্নমক কোকহন্না জীবদা থাঙ্গৎশেংবা অচুম্বা পোৎশক তত্ত্ববস্তু ফোংদোক্‌পিনা থঙহল্লী।

পয়ার অনীদা নুমিৎ থা-গা শ্রীচৈতন্য-নিত্যানন্দগা মান্নবা উহল্লে। নুমিৎ-থা-শ্লোকতা য়াওরিবা পুষ্পবন্তৌগী অর্থনি।

পোৎশক শেংনা থঙহল্লী —নুমিৎ থানা থোক্লকপদা জগৎ অপুনবসি অমম্বনা বুক্না লৈবা, করিগুম্বা পোৎ অমতা শেংনা উদে। নুমিৎ থানা থোরকপা মতমদদি অমম্বা পুম্নমক পুমকোক্ কোকখিছুন জগৎকী পোৎ পুম্নমক উহন্দুনা পোৎশক শেংনা থঙহল্লী। ধর্ম্ম শন্দোক্পিছ্না—নুংথিলগী মতমদা তৌগদবা সেবা অদু নুমিৎ থোরকপা হৌরকপদা তৌবা হৌই; অহিংগী মতমদা তৌগদবা সেবা অদু থা থোকপা হৌরকপদা তৌই।

অজ্ঞান তমের নাম কহিয়ে 'কৈতব'।
ধর্ম্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ-বাঞ্ছা আদি সব ॥৫০

অর্থ :—

অপঙবা অময়বগী মমিং 'কৈতব' কৌই।
ধর্ম্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ পাম্ববুসু কৌই। ৫০

গৌর-কৃপা টীকা

অম্সুন্না—মুমিং-থাগী মতৌগুম্না। অনীনা—গৌর-নিত্যাইনা।

তত্ত্ববস্তু—সত্যবস্তু, নিত্যবস্তু, অচুম্বা অরেপ্পা পোৎ। তত্ত্ব-বস্তু অসি জীবগী থম্মোয় মুংদদি লৈরগা মায়াগী অময়না কুপ্-শিন্‌খিদুনা মশামু থঙবা ঙম্‌খিদরে। শ্রীচৈতন্যনিত্যানন্দনা কৃপা তৌবিদুনা জীবগী অময়দু কোক্‌হনুনা অরেপ্পা পোৎশক অদু থঙহল্লী। মুমিং-থা থোক্লগা অময়া কোক্‌হনুনা লৈরম্বা পোৎ থুদিংমক শেংনা থঙবগুম্না শ্রীনিত্যাইগৌরনা আবির্ভাব ওইবসিদা জীবগী অময়া পুম্নমক কোকহল্লে, অরেপ্পা পোৎশক থঙহল্লে।

৫০। অপঙবা—জ্ঞান ঙাংবা. শ্রীকৃষ্ণগী তত্ত্বগী মরমদা জ্ঞানৣ্ঙাংবা। অময়া—উবা ফংদবা, থঙবা ঙমদবা। কৈতব—কান্নদবা। 'কৈতব' হায়বসি করিনো? ধর্ম্ম-অর্থ কাম-মোক্ষ অসিনচিংবা পুম্নমকপু ফংননবগীদমক উপায় লৌরিব মী অদুবু কৈতব (মশাবু মাঙহন্‌বা) কৌই। ধর্ম্ম—মুম্বানবগী ধর্ম্ম, ধর্ম্ম অসিগী মহৈ ঐন। হন্দক্কী মপোক অসীদা ইশা নুংঙাইনবা কোৎনব। অমসুং হৎনংমুক্কী মপোক্তা স্বর্গগী নু ঙাইবা ফংননবা হোৎনবা, শম্না হায়রগা ভুক্তি কৌই। মাস অরেপ্পা নত্তে। অর্থ—শেন-থুম, পোৎ, মাসীসু অরেপ্পা পোৎ নত্তে। কাম—হকচাং নুংঙাহনবগীদমক অনীংবা পোৎ শাগুম্না ইন্দ্রিনা নুংঙাইবা পাম্বা। মোক্ষ—মুক্তি; মায়াগী কাবদগী কোকপা; মোক্ষ—মুক্তি মখল মঙা ওই—(১) সালোক্য (২) সার্ষ্টি (৩) সারূপ্য (৪) সামীপ্য (৫) সাযুজ্য। (১) নীংজরিবা লাই অদুগা মফম অমতদা লৈমিন্নব, অদুবু সালোক্য কৌই। (২) নীংজরিবা লাই অদুগী মতৌগুম্না ঐশ্বর্য্য থাজক্কং ফংব, অদুবু সার্ষ্টি কৌই। (৩) নীংজরিবা লাই অদুগা শক মান্নবা অদুবু সারূপ্য কৌই। (৪) নীংজরিবা লাই অদুগী মনাক্তা লৈজবা অদুবু সামীপ্য কৌই। (৫) ব্রহ্মগা মান্নবা, নীংজরিবা লাই অদুগী মশক্তা চংশিন্‌বিবা ফংবা অদুবু সাযুজ্য কৌই। মখল পুদিংমক্কী মর্ম্মড়না মাঙ্গনা পুনবদগী কোকপা ওম্নী; মুক্তি ফংলবগী মতুংদা সাধকশিংনা নীংজবগী মতুংইন্না মখল-মখা অপাম্বা মকদা লৈথরে। পয়ার অসিদা কৈতবগী বা হায়জরে, কৈতব য়াওদবা ধর্ম্ম করিনো হায়বদু, মক্কুগী ভাগবতকী শ্লোক্তা কোংদোক্‌চরি।

তথাহি (ভা: ১।১।২)—

ধর্ম্ম: প্রোজ্ঝিত কৈতবোঽত্র পরমো নির্ম্মৎসরাণাং সতাং
বেদ্যং বাস্তবমত্র বস্তু শিবদং তাপত্রয়োন্মূলনম্।
শ্রীমদ্ভাগবতে মহামুনিকৃতে কিংবা পরৈরীশ্বর:
সদ্যো হৃদ্যবরুধ্যতেঽত্র কৃতিভি: শুশ্রূষুভিস্তৎক্ষণাৎ ॥৩৭

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লোক। ৩৭। অন্বয়। মহামুনিকৃতে (মহামুনিনা তৌবা) অত্র (অসি) শ্রীমদ্ভাগবতে (শ্রীমদ্‌ভাগবত লাইরিক্তা) নির্ম্মৎসরানাং (কল্লকপা লৈত্রবা) সতাং (সাধুশিংগী) প্রোজ্‌ঝিতকৈতব: (মায়াগী অপাম্বা য়াওদ্রবা) পরম: (পূন্নমক্তগী অথোইবা) ধর্ম্ম: (ধর্ম্ম) [নিরূপ্যতে] (তাক্লি)। অত্র (মাহুদা) অপত্রয়োন্মূলনং (মৈচাক, অবাবা অহুম কোক্লবা) শিবদং (মঙ্গল পীবা, অক্বা পীনবা) বাস্তবং (থাজৈশেংবা) বস্তু (পোৎ) (খঙ্‌গদবনি)। পরৈ: বেত্থম (অতোপ্পা খুৎলাইনা, লাইরিক্তা) ঈশ্বর: (ঈশ্বর) হৃদি (থম্মোয়দ) কিংবা (করি) সদ্যো (খুদক্ অহুদা) অবরুধ্যতে (কা না থম্বরা ?); অত্র (মাহুনা—শ্রীমদ্‌ভাগবত্তা) কৃতিভি: (ভক্তি রাণীগী কৃপা থরা ফংলবা ভক্তশিংনা) শুশ্রূষুভি: (তাবী বশিংনা) তৎক্ষণাৎ (খুদক অহুদগী) অবরুধ্যতে (প্রেমনা কাহুনা থম্মী)।

অনুবাদ। মহামুনি শ্রীনারায়ণনা কাংদোক্লকা শ্রীমদভাগবত্তা কল্লক্পা-মিহৌবা লৈত্রবা সংসারগী অপাংবা পক্তুবা, মহৈ লিত্রবা সাধুশিংগী মাতক চারব, অথায়বা ধর্ম্ম তাক্লি। শ্রীমদভাগবত অসিদা অবাবা অহুমগী মৈচাক কোক্লবা অমসুং অক্বা পীনবা থাজৈশেংব। অবেপ্পা পোৎশক খঙবা ওয়বা মরম তাক্লুনা লৈরে। অতোপ্পা শাস্ত্রনা, অতোপ্পা সাধনা ঈশ্বরবু খুদক্তা থম্মোয়দা কাহুনা থম্বা ঙম্বরা ? (ঙমদে) তৌইশুমসুং ভক্তি রাণীগী কৃপা থরা ফংলবা ভক্ত পুন্নথাক্ত শ্রীমদ্‌ভাগবত্ অসি তাবা পাম্লক্লে, তাবা হৌবা খুদক্ অহুদগী হৌহুনা ঈশ্বরবু মথোঙগী থম্মোয়দ লাকনা ফম্ব ঙম্মী। ৩৭ অহানবদা সৃষ্টিগী মমাংদা শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মাগী মকমদা শ্লোক মরিমক এই। শম্না শ্রীমদ্ভাগবত অসি কোংদোকখি। মতুংদা শ্লোক মরি অহুগী মরমদা শন্দোক্ল তাকপদ্ম মওং অইনা অচৌবা শ্রীমদ্‌ভগবত অমা ওইনা কোংদোকখরে। মতাং অসিগী মমাংদা হৃরিবা শ্লোক ২৩।২৪।২৫।২৬ মরি অসি শ্রীনারায়ণনা হাঙ্গাখিবা শ্লোক অহুনি। লাইরিক অহুগী মমিং শ্রীমদ্‌ভাগবত্ কৌক্লরিবা অহুম চপ-চাবনি। লাইরিক অসীদা ভগবত—তত্ত্ব নীংখিনা তাক্লি, খঙ্‌হন্নী হাঙ্গহুনা মমিং ভাগবত থোক্লিবনি। শ্রীমৎ শব্দগী অর্থ মহৌশানা

গৌর-কৃপা টীকা

শক্তি লৈবা ; শ্রীভগবানগী নাম-রূপ-গুণ-লীলানচিংবা অসি মণি-মন্ত্র-হিদাকী মতৌগুম্না মহৌশানা বাখল্লা লাম্বা ফংদবা শক্তি লৈ, ভাগবত কৌবা লাইরিক অসিন্থু মতৌ অদুগুম্না মহৌশানা বাখল্লা লাম্ব. ফংদবা শক্তি লৈ হাঙ্গৈহনা মফিং শ্রীমদভাগবত খোল্লিবনি। ভগবৎ-তত্ত্ব ভাব তাহন্‌বা লাইরিক অসি। ভগবান্ শ্রীনারায়ণ মশানা কোংদোক্লম্বনি হাঙ্গনা প্রমাণ তৌনৈ, মাসিদা কল্লিম্থু চিংনকম্ লৈতে।

অনীশুবদা শ্রীমদ্‌ভাগবত্তা তাক্লম্লিবা ধর্ম অদু, শ্লোক অসিদা অথোইবা ধর্মনি হাঙ্গৈরি। অথোইবা ধর্ম হাঙ্গৈরগা চপ-চাবা কল্লিবু খঙনবগে ? "স বৈপুংসাং পরো ধর্ম : যতো ভক্তিরধোক্ষজে। শ্রীভা: ১।২।৬" সচ্চিদানন্দ-ঘন-শ্রীভগবান্দা ভক্তি লৈবা অদু অথোইবা ধর্মনি। ভক্তি অসিগী অর্থ কল্লিনো ? "স্বনুষ্ঠিতস্য ধর্ম ধর্মস্য সংসিদ্ধির্হরি তোষনম্। শ্রীভা: ১।২।১৩।" প্রমাণ অসিগী মতুংইন্না শ্রীভগবৎ পেল্‌হন্‌বনা, অথোইবা ধর্মগী অর্থনি। শ্রীমদভাগবত্তা ধর্মগী মরমদা পাওতাক পীরিবা অদু ভগবানবু পেলহল্লু হাঙ্গৈবতনি ; ভগবান্ পেম্নবা সাধন নত্তনা কতৈ অত্তোম্না কল্লিগুম্বা অম্না পাম্লুবদি মাদু অথোইবা ধর্ম কৌবা য়াত্রে। মরম অদিনং অথোইবা ধর্ম চৎপা তারবদি ধর্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ থাদোকপা তারে। জীবনা শ্রীকৃষ্ণগী চিদ্রূপা (চিংকী মশক) জীব-শক্তি ওই (গীতা ৭।৫।) শক্তিগা শক্তিমানগা খেন্নদবনা। শ্রীকৃষ্ণনা জীববু মাতোন্দগী থাইখিবা শরুক মচেং (অংশ) অমনি হাঙ্গৈ। শক্তিগী তৌগদবা মথৌদি শক্তিমানগী তুংইন্নবা সেবানি ; অংশগী তৌগদবা মথৌদি অংশীগী তুংইন্নবা সেবানি। সেবা তুংইন্নবনা পেম্নবা সেবা তৌবা কৌই। জীবনা পরব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি অমসুং অংশ ওইবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী তুংইন্দুনা পেম্নবা সেবা তৌকম্ থোক্ই। জীবগা শ্রীকৃষ্ণগা অনিগী মরক্তা মুংশিনবা লৈরম্লবদি সেবা তৌবা হাঙ্গৈবসি শোঙ্গরোইদোবনি। বৃহদারণ্যক শ্রুতিদা হাঙ্গৈরি-পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু জীবনা মুংশি ; মরম তন্নবা জীববুসু পরব্রহ্মনা মুংশি ; হাঙ্গৈবদি জীবগা পরব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণগা অমগা অমগা মুংশিনবনা পুন্দনা লৈ। মরম অসিদগী মুংশিনগী মশক ওইবা পরব্রহ্ম-পরমাত্মা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবতনা জীবনা তৌগদবা মথৌ ধর্মনি। সেবাগী অর্থ হাঙ্গৈববু শ্রীকৃষ্ণগী পেম্নবা তৌবা হাঙ্গৈবনি। সেবা তৌজরিবা অদুগী মতৈ করিগুম্বা অমতং নীরুবা য়াদে, করিগুম্বা নিরুরবদি সেবাগী যেক্লবা ওইরে—মহৈ নিবা সেবাসু সোনম্বা সেবা কৌই ; মুংশিবগী সেবা তৌবা কৌদ্রে। মহৈ নিরুপনা সেবা তৌরিবা ভক্তশিং অদুদি মোক্ষ হাঙ্গৈবদি মুক্তি মথল মত্তা লৌজৌ (কংজৌ) হাঙ্গৈরবা কাওবদা পাম্বিদে। ধর্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ পাম্বা জীব-শিংদি শ্রীকৃষ্ণগী মুংতাইনবা পেম্নবা সেবা তৌনীংদে, সেবাগী য়েক্লবা ওই। শ্রীকৃষ্ণগী

গৌর-কৃপা টীকা

নুংঙাইনবা নীংথৌনা সেবা তৌবা অদুবু প্রেম, প্রেমভক্তি কৌই। "কৃষ্ণগী ইন্দ্রি পেন্নবা নীংবা অদুনা 'প্রেম্'। ১। ৪। ১৪০।" মরম অসিনা ধর্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ পাম্নবদি প্রেম, প্রেম ভক্তিগী য়েন্নবা ওই।

মুখ্যিংকা মঙানগা থাদোক্নবা য়াদবগুম্বা শক্তি ওইবা জীবগা শক্তিমান ওইবা শ্রীকৃষ্ণগা থাদোক্নদে, মুংশিনবা মরীনা (সম্বন্ধনা) পুন্দুনা লৈ। পরব্রহ্ম-শ্রীকৃষ্ণদি নিঙানি (অরেম্বনি), অরেম্বগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী চিদ্রূপা (চিংকী মশক ওইবা) জীব-শক্তিগী অংশ ওইবা জীবসু নিত্যবস্তুনি। শ্রীকৃষ্ণনা জীবসু মখাকী থাদোক্নবা য়াম্নবা লেংজবা অংশনি হায়রম্মী (গীতা। ১৫/৭)। মরম অসিনা জীববু শ্রীকৃষ্ণনা সতম পুন্নমক্তা মতৌশানা চিংশিন্দুনতঃ লৈ হাইবসি তশেংবনি। চিংশিন্নবিবগী মরমদি জীববু মুংঙাইফনগে হাইবগীদমক্নি। সংসার অসিদা ঐখোয়না উবা ফংদি, জীব-তবু ওইরবদি মুংঙাইন পাম্মী অমসুং মুংশিব-গীদমক কাউবা য়াম্রবা থাদোকপা য়াম্বা অপাম্বা অনীংবা অমদি অতুম মরোর। মুংঙাইবা পাম্নুবিবা অসি জীবগী লেংজব মুংশিবগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণগীদমক্নি। শ্রীকৃষ্ণবু থাজদবা মীনদি পুন্নমক অসি থঙবা শুক্চম ওমদে। করিগীনো হাইদা অনাদি বহির্মুখ লৈশেমক্নিঙৈদগী থাজরক্তুবা জীবদি অনাদিকালদগী শ্রীকৃষ্ণবু কউদুনা নীংশিংদদুনা লৈরক্লবনি। অদুন, কৃষ্ণগা মরী লৈনৈ হাইবসু কাউথরে। অনাদি কালদগী মায়াগী লাংদা তাদুনা লৈখিবনা করিসু থঙদ্রবা লৈত্রে, জীবনা মুংঙাইবা পাম্নবসি হকচাংগীদমক্তনি হাইনা শেরায়না থল্লী, মুংশিবা অমা পাম্নুবিবা অদুসু হকচাংগী মুংঙাইনবা তৌরগদবা (ওইরগদবা) মী নত্রগা পোং অদুবু পাম্নবান হাইনা থল্লী। অদুবু জীবনা মতম পুন্নমক্তা মশাগী মুংঙাইনবা অমসুং মশাগা মরী লৈনবা মুংশিবা পোং নত্রগ মুংশিবা বু ফংননবগীদমক কোইথি-থিদুনা লৈ। তৌইঙুমসুং মানা কৌইথি-থিজরনসু মুংঙাইনীংবা অমসুং মুংশিবা পাম্বা অদুগী অপেন্বদি সংসার অসিদা কৈদৌঙৈদসু ফংলরোই। মাদুগী মরম দ মুংঙাইবা অদু অমসুং মুংশিবগীদমক পাম্নিবা অদু জীব অদুনা মশক থঙজে, অদুনা মাদু ফংননবগী উপায়সু থিবা থঙজরবনি। মুংঙাইবগী মশক ওইবা, মসকী মশক ওইবা, মুংশিনগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু মুংশিনা মশামক্তিনি হাইনা খন্জরগনা মহাকী মুংঙাইবু ফংননবগীদমক কোইথি থিদুনা চেৎথোক্-চেন্সিন্ তৌরবা অদু ফংজগদগনি পোংথাগদবনি। শাস্ত্রিনসু হাইরি- ধর্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষনা মুংঙাইবগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু ফংবা ঙমদে, কৃষ্ণ মুংঙাই-নবগী মশক ওইবা সেবা ফংদে। অঙাংনা খোম লাবদুনা কপ্পগা থুমহি পিথক্শনদি কপ্পাদু ফবা ঙমদে। মরম অসিনা ভক্তিতনা, প্রেম সেবাতনা মুংঙাইবগী পম্হেংকম্ ওইব শ্রীকৃষ্ণ ফংননবগী উপায়নি। অসুম ওইবা প্রেম-ভক্তি অসিবু অখোইবা ধর্ম কৌই। অখোইবা

গৌর-কৃপা টীকা

ধর্ম অসি কনা কনা চৎখিবগে হায়রবদা সাধু, বৈষ্ণবশিংনা চৎখি। মখোইদি কনাগুম্বা মী অমনা তৌবা থবক্তা কল্লকউবা লৈত্রে, মীবু নিন্দা তৌবসু হৈত্রে, মহৈ নিহনা থবক তৌবসু হৈত্রে; মরম অসিদগী সাধু-বৈষ্ণবশিংনা অথোইবা ধর্ম অসি চৎপা ঙম্বনি অমসুং ধর্ম অসি মখোয়মক্তা তৌজিকমক চংজিবনি। মতাং অসিদা কনাগুম্বনা হংবা যাই, সাধু, বৈষ্ণব নত্রবদি অতোপ্পা মীশিংনা হরি পেম্নবগী মশক ওইবা অথোইবা ধর্ম অসি চৎপা ঙম্নোইত্রা? মখোয়সু ঙম্মকনি, অমুম অমুম হোৎনরকপদগী-ভগবৎ-কৃপা লাক্লা মীবু কম্মক্‌-য়েংথিবগী পুক্‌চেল্‌ চেৎসু কোকহল্লকনি। সংসারগী অপাম্বা থাদোকতুনা কৃষ্ণগী মনাই ওইনীংলকনি।

মসিগী তুংদা শ্রীমদ্ভগবত শ্রবণ তৌবগী (নাম তাজবগী) ফোল (ফল) হাইজরক্লি। শ্রীমদ্‌ভাগবত তাজরগা থাঙ্গৎশেংবা অচুম্বা পোৎ মশক খঙবা ঙম্মী। মথক্তা হাঈখ্রিবা হরি পেম্নবা তৌবা অথোইবা ধর্ম অচুম্বনা হায়বদি ভক্তিনা অরেম্বা-অচুম্বা পোৎ অদু ওই হায়বা খঙ্‌বা ঙম্মী। মরমদি ভক্তি অসিনা মাগী ফোল অদু পীবা মতমদা কর্ম-যোগ জ্ঞানাচংবা ঙাইরুবা লৈতে; কর্ম-যোগ-জ্ঞানচিংবদি ভক্তিবু ঙাইহনা লৈ। ভক্তিনা শ্রীকৃষ্ণবু মশক খঙ্‌হল্লী অমসুং মাগী সেবা ফংহল্লী। ভক্তিদা ভগবদ্‌-খুদুম চন্‌বা ঙম্বগী শক্তি লৈ; মরম অসীনা মীওইবা ঐখোয়না চৎকদবা লম্বি খাইদগী হেন্না বাংবদি ভক্তিনি।

ভক্তি অসিতনা জীব খুদিংমক্তা মঙ্গোল (মঙ্গল) পীবা ঙম্মী, মুংঙাইবা অৎেন্‌বা পীবা ঙম্মী; শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফংহল্লী। মরম অসিনগী শ্রীকৃষ্ণবু ভক্তিগী মথা পোল্লী হাঈখিবনি। আধ্যাত্মিক, আধিভৌতিক অমসুং আধিদৈবিক কৌবা অবাবা মেচা অদুম অসি ভক্তিদা চংবা ঙমদে। 'ভজ' ধাতুদগী ভক্তি শব্দ থোকই। ভজ-ধাতুগী অর্থদি সেবা তৌবা হাঈবনি। ভক্তিগী অর্থনা ভজন হাঈবদি ভগবৎ সেবা হাঈবনি। ভক্তিদা শ্রীভগবানবু মুংঙাইহন্‌বা ঙম্বা শক্তী মচি লৈ হায়বদি হ্লাদিনীগী মচি লৈ। হ্লাদিনী শক্তি অসি শ্রীভগবানগী মশাদা লৈরগসু ভগবান মশাবু মুংঙাইহন্‌বা ঙমদে, ভক্তশিংগী থম্মোয়দা লৈরগা শ্রীভগবানগী থম্মোয় শোদোকপা ঙম্মী অমসুং মুংঙাইহন্‌বা ঙম্মী। ভক্তিনা জীববু শ্রীভগবানগী মনাক্তা পুশিন্‌বিহনা উহল্লী, ইমুংতো মহাক্তি ভক্তিনা খুদুমচম্মুনা ভক্তগী মখা পোল্লী। ভগবান্দি ভক্তবৎসলনি; জ্ঞানী বৎসল নত্তে, কর্মী বৎসল নত্তে হাঈবা পুরমক অসি শ্রবণ তাহ্‌বদ/তৌবদা খঙবা ঙম্মী। পুরমক অসি খঙলবা সাধুশিং অদুদি শ্রীমদ্‌ভাগবত তাজগে হাঈনা নীংলক্‌পদা মতম অদুদগী শ্রীকৃষ্ণবু মখোইগী থম্মোয়দা পুন্দনা থম্‌থরে, শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়গী থম্মোঈদগী অমুক মপান থোকপা ঙমদে।

তার মধ্যে মোক্ষ বাঞ্ছা কৈতব প্রধান।
যাহা হৈতে কৃষ্ণভক্তি হয় অন্তর্দ্ধান॥৫১
কৃষ্ণভক্তির বাধক–যত শুভাশুভ কর্ম্ম।
সেহ এক জীবের অজ্ঞান তমো ধর্ম্ম॥৫২

অর্থ :—

মোক্ষ পাম্বনা থাইদগী হেন্না কান্নবা ওই।
মাহু পাম্নুববদি কৃষ্ণভক্তি মাঙবা ওই॥৫১
কৃষ্ণ ভক্তি নত্তবা থবক ময়াম লৈবনি।
মাহু জীবগী অপঙবা অমম্বা ধর্ম্মনি॥৫২

ব্যাখ্যাতঞ্চ শ্রীধরস্বামিচরণৈ :—
"প্রশব্দেন মোক্ষাভি সন্ধিরপি নিরস্ত :" ইতি॥ ৩৮

গৌর-কৃপা টিকা

৫১। ধর্ম্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ মরি অসিগী মমুংদা মোক্ষ পাম্বা অসীনা ইহেন্-হেন্না কান্নদে। বা অসি হাঙ্গকুবগী মরমদি অসীনি। বর্ণাশ্রম ধর্ম্ম চৎলগা হয়েংমুকী মপোক্তা স্বর্গনচিংবা লোক (মকম) ফংহুনা হুংঙাইবা ফংতি; তৌইগুম্বসুং স্বর্গগী হুংঙাইবা অহু চাবা লোইরগা অমুক মর্ত্ত্যলোক্তা পৃথিবীদা লাক্কনা অমুক হন্না পোকলৈ। "ক্ষীণে পুন্যে মর্ত্ত্যলোকং বিশন্তি॥ গীতা॥" বৈদিক কর্ম্ম তৌরগা ব্রহ্মলোক ফংতি, তৌইগুম্বসুং মকম্ অহুদগী অমুক্ লাকই। "আব্রহ্মভুবনাল্লোকা: পুনরাবর্ত্তিনোঽর্জ্জুন॥ গীতা॥" অমুক হন্না পোক্লবদি লাইবক্ ফবা মতম অমদা মী ওইনা পোকপস্থ য়াই; মতম অদুদা জীবগী হৌনবী কৃষ্ণগী হুংঙাইনলবগীদমক সেবা ফংননবা হোৎনরকপদা প্রেম ভক্তি ফংবা য়াবগী থুংদোংচাবা লৈ। তৌইগুম্বসুং মোক্ষ ফংখরবদি মায়াগী মমুং চপ্রে হাঙ্গহুনা অমুক হন্না পোক্লরোই, মরম অসিনা মী ওইনা পোক্ত্রবনীনা প্রেম ভক্তি ফংননবা সাধন্ তৌবা ফংলরোই। মতৌ অসীদা মোক্ষ ফংবা পাম্নববদি প্রেমভক্তিদি মতম হুইনা ফংদবা ভারে। অদুগা ধর্ম্ম-অর্থ-কাম অহুম অসীদি মতম শাংনা প্রেম ভক্তি ইকং-ফংলরোই হাঙ্গনা নীংঙ্ঃ য়াদে। মরম অসীনা মোক্ষ পাম্বনা কান্নদবা ইহেন-হেন্নী।

শ্লোক। ৩৮। অনুবাদ। মথক্তা হাঙ্গখ্রবা শ্রীমদ্ভাগবতকী "ধর্ম্ম: প্রোজ্ঝিত-কৈতব." নচিংবা শ্লোকী "প্রোজ্ঝিত" শব্দগী মমুংচন্‌বা ময়েক "প্র" উপসর্গগী মরমদা টিকাকার শ্রীধর স্বামীচরন্না হাঙ্গরম্মা, "প্র-শব্দনা মোক্ষবু থাদোকনি, পাম্নকম থোক্তে।"

৫২। কৃষ্ণ ভক্তি নত্তবা—কৃষ্ণ ভক্তিগী য়েক্কবা, অথিংবা। থবক ময়াম—অফংফত্তবা থবক ময়াম। অফবা থবক—স্বর্গ ফংবা পুণ্যগী থবক। ফত্তবা থবক—নোরোক (নরক) তাবা পাপকী থবকশিং।

যাঁহার প্রসাদে এই তম হয় নাশ।
তমোনাশ করি করে তত্ত্বের প্রকাশ ॥৫৩
তত্ত্ব বস্তু—কৃষ্ণ, কৃষ্ণভক্তি প্রেমরূপ।
নাম সঙ্কীর্ত্তন-সব আনন্দ—স্বরূপ ॥৫৪

অর্থ :—

মহাকী কৃপানা মাঙ্ হল্লী অপঙ্বা অহু।
তত্ত্ব কেংদোক্ই মাঙহন্দুনা অমম্বা অহু ॥ ৫৩
তত্ত্ববস্তু—কৃষ্ণ, কৃষ্ণভক্তি প্রেমগী মশক্নি।
নাম সঙ্কীর্ত্তন-পুন্নমক নুংঙাইবগী মশক্নি ॥৫৪

গৌর-কৃপা টিকা

মী অয়াম্বনা মশাগী নুংঙাইনবগীদমক্তা য়েংহনা থবক তৌনৈ। পুন্য কর্ম্ম তৌরিবশিং অসি মশাগী ইন্দ্র পেন্নবনি ; কৃষ্ণ ভক্তি নত্তে। পুন্য কর্ম্ম তৌবগী মহৈ ঐনা হন্দকী মপোক, হয়েংমুকী মপোক, মপোক অনিদা লল্গী মরমদা নুংঙাইবগী মপু ওইবা ফংঙি। নুংঙাইবগী মপু ওইরবাদ্রা। কৃষ্ণ ভজনগী বা কাউথোকখি। মরম অদুনা পুন্য কর্ম্মগী অহৌবদগী আরাইবা ফাওনা কৃষ্ণ ভক্তিগী য়েন্নবনি। ইন্দ্রি পেন্নবা হোৎনবদা মীওইবনা পাপকী থবক তৌই। পাপকী মহৈ অদুনা হন্দকী মপোক্তা য়ায়া য়াই অমসুং হয়েংমুকী মপোকসু য়ায়া য়াই। শ্রীকৃষ্ণ ভজন নীংশিংদে। মরম অদুনা অককন্না থবক পুন্নমক কৃষ্ণ ভক্তিদা অপনবা ওই। মাহু -অককন্না থবক অহু। অপঙবা অমম্বা ধর্ম্ম—থঙদবনা মশগী মহৈ।

জীবনা মঙলমন্ত্রবাদ ইন্দ্রিগী পেন্নবা থবক তৌরমদহুনা হরিগী পেন্নবগীদমক ভক্তিগী সাধনদা চংশিল্লমগদবনি। মমমাদ কৃষ্ণ সেবাতনা মরুনি হায়বসি কৃষ্ণগী মনাই জীবদা থঙকম থোক্শান।

৫৩। শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য নিত্যানন্দগী কৃপানা অমম্বা অহু মাঙহন্দুনা তত্ত্ব (অরেম্বা পোৎশক) ফোংদোক্নুনা থঙহল্লী।

৫৪। শ্রীকৃষ্ণ, প্রেমগী মশক, শ্রীকৃষ্ণভক্তি অমসুং নাম সঙ্কীর্ত্তন পুন্নমক অসি তত্ত্ববস্তুনি ; অমসুং তত্ত্ব বস্তু ওইবা পুন্নমক অসি নুংঙাইবগী মশক্নি।

তত্ত্ব বস্তু—পুন্নমক্তগী অহেনবা পোৎ। জীব পুন্নমক্না মুংঙাইবা পাম্মী, অহাওবা চাবা পাম্মী; অদুনা মুংঙাইবা অমসুং অহাওবা (রস) হাঙৈবসিনা পুন্নমক্কী অহেন্বা পোৎনি; অদুনা মুংঙাইবা হাঙৈবা অসি তত্ত্ব-বস্তু ওইরে।

শ্রীকৃষ্ণনা রসকী মশক্নি অমসুং মুংঙাইবগী মশক্নি। রসকী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু ফংবা শক্নগা জীবনা মুংঙাইবা ফংই, "রসং হ্যেবায়ং লব্ধ্বানন্দী ভবতি—শ্রুতি।" মরম অদুনা মুংঙাইবা পাম্বা জীবগা মুংঙাইবগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণগা নিত্যসম্বন্ধনি (অরেপ্পা মরীনি)। মরম অদুনা শাস্ত্রদা শ্রীকৃষ্ণবু সম্বন্ধতত্ত্ব কৌই হাঙৈনৈ। মুংঙাইবগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু ফংগে হাঙৈরবদি প্রেম চংদবা য়াদে; মরমদি শ্রীকৃষ্ণদি প্রেমগী মখা পোল্লী। মরম অসিনা শাস্ত্রনা প্রেমবু প্রয়োজন তত্ত্ব (পোৎচ' তত্ত্ব) নি হাঙৈনৈ।

অদুগা প্রেম ফংগে হাঙৈরবদি ভক্তি লৈননবা হোৎনবা তাই, মরমদি, ভক্তি নত্তনদি প্রেম পোক্লকপা য়াদে। মরম অদুনা শাস্ত্রদা ভক্তি-সাধন তৌববু অভিধেয়-তত্ত্ব (তৌকম থোকপা মথৌ) নি হ'ঙৈনৈ।

মতৌ অসুম তৌদুনা সম্বন্ধ-তত্ত্ব, অভিধেয় তত্ত্ব অমসুং প্রয়োজন তত্ত্ব, তত্ত্ব অহুম অসি জীবনা খঙ্ফম থোকই, অহুম অসি তত্ত্ব জ্ঞানি। অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা সম্বন্ধ তত্ত্বনি, নাম সঙ্কীর্তনা অভিধেয় তত্ত্বনি অমসুং প্রেমগী মশক ওইবা কৃষ্ণ ভক্তিনা প্রয়োজন তত্ত্বনি।

প্রেমগী মশক ওইবা কৃষ্ণ-ভক্তি—কৃষ্ণ ভক্তি মখল অহুম লই; সাধন ভক্তি, ভাব-ভক্তি অমসুং প্রেম-ভক্তি। ভক্তিগী মওং তানবা হোৎনবা অদুবু সাধন-ভক্তি কৌই। সাধন ভক্তি অসি মুল্লগা (হৈরগা) ভাব-ভক্তি কৌই, সাধন ভক্তিদগী ভাব ভক্তি মুল্লগা প্রেম-ভক্তি ফাওরকই। কৃষ্ণ-ভক্তি মুল্লবা থিভম অদুবু প্রেম-ভক্তি কৌই। শ্রীকৃষ্ণগী হ্লাদিনী-শক্তিগী মচৎ-মওং অসি প্রেমনি, অদুনা প্রেমগী মশকসু মুংঙাইবগী মশক্নি।

নাম সঙ্কীর্তন—শ্রীকৃষ্ণগী নাম-কীর্তন। সাধন ভক্তি মখল কয়ামুক্কী মনুংদা নবধা ভক্তিনা (ভক্তি মখল মাপল্লা) অথোইবনি, অদুদগী অমুক নাম সঙ্কীর্তনা খ্বাইদগী থাহব-, নাম সঙ্কীর্তন্ য়াওদ্রবদি ভক্তি মপুং ফাদে; নাম অমসুং নামী-গী খেন্নদবনিনা মুংঙাইবগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণগা কৃষ্ণ নামগা খেন্নদে; অদুনা শ্রীকৃষ্ণ-নামসু মুংঙাইবগী মশক্নি। "নাম চিন্তামণিঃ কৃষ্ণশ্চৈতন্যরস বিগ্রহঃ। পূর্ণঃ শুদ্ধো নিত্যমুক্তোঽভিন্নত্বাৎ নামনামিনোঃ॥" হ-ভ-বি"/২৬৯॥ জ্ঞান-যোগনচিংবা সাধনগী মতৌগুম্না ভক্তি মার্গগী সাধনদি মমুক য়াম্না বাদে, অহোইনদুম মুংঙাইবা পোকই। মরম পুন্নমক অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী থৌরম পুন্নমকপু মুংঙাইনবগী মশক কৌই।

সূর্য্য-চন্দ্র বাহিরের তম সে বিনাশে।
বহির্বস্তু ঘট-পট আদি সে প্রকাশে ॥৫৫

অর্থ :—

নুমিৎ-থানা মাঙহল্লী মপানগী অমম্ববু।
উহল্লী মপানগী পোৎ ফি-চকুনচিংববু ॥৫৫

গৌর-কৃপা টিকা

৫৫। পয়ার ৫৫-৫৯ দা আকাশকী নুমিৎ থাদগী শ্রীশ্রীগৌরনিত্যানন্দগী মশক ওইবা নুমিৎ থানা হেন্না অঙকপা ওই হাঙ্গীবত্থু উৎগুরি। আকাশকী নুমিৎ-থানা পৃথিবীগী মথক্তা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক্পু উহনবা ঙম্মী, তৌইগুম্বন্থুং পৃথিবীগী মন্থুংদা লৈরিবা থনি অমম্থুং চৌংগী গুহা লোৎসুংগী অমম্বদ কোক্‌হনবা ঙমদে, মকম অত্থুদা লৈরিবা করিগুম্বা পোৎ অমতং উহনবা ঙমদে তৌইগুম্বন্থুং শ্রীশ্রী গৌর-নিত্যানন্দগী মশক ওইবা নুমিৎ-থাদি জীবগী মশাগী মপান অমম্থুং মন্থুংগী জ্ঞান বাৎতুনা মম্বা অত্থু কোকহনবা ঙম্মী অমম্থুং জীবগী মন্থুং-মপান মক্কম অনিদা ঙও বম্ন উহল্লী। মাসি মথোঙ্গী অঙবপা গুরি। মন্থুং-মপানগী জ্ঞান বাৎতুনা মম্বা অত্থু কোকহল্লী হাঙ্গীবগী অর্থদি, জীবনা মশাগী মপান্দা উরিবা পোৎ পুম্নমক অপনগী মরম। খঙডমদবা অমম্থুং মশা মন্থুংগী থমোই মন্থুংগী মরমদা খঙতমদবা, মরম অনিদ খঙতমদব, জ্ঞান বাৎতুনা মম্বা অত্থু শ্রীশ্রীগৌর-নিত্যানন্দ অনিনা কোকহল্লী। মপান্দা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক্কী পাংশক (স্বরূপ-তত্ত্ব) অমম্থুং থমোই-থুংদা খঙদবা য়াদবা পোৎকী পোৎশক (স্বরূপ-তত্ত্ব) সু ইবুংঙো অনিনা কোংদোকপিহুনা উহনবি। অমম্বা মফমদা লৈরিবৈগী মঙমদা করিগুম্বা পোৎ অমতং উবা ঙমদে, মতম অত্থুদা জীবনা করিগুম্বা পোৎ অমবু কৈ নত্রগ সিজ ওইরমগদ্রা হাঙ্গীনা খল্লবদা অকিবা পোকই; অত্থুগা করিগুম্বা পোৎ অমবু ফংঙাইনবগী মরম ওইরম্বা য়াই হাঙ্গীনা খল্লুরগা সু ঙাইবা পোকই; অত্থুগুমত্থুনা জীবশিংনা জ্ঞান বাৎপদগী উরিদ। পোৎশিং অসিবু থরনা মাগী ফংঙাইনবনি হাঙ্গীনা খল্লী অমম্থুং থরনা মাগী বাম্নবনি হাঙ্গীনা খল্লী। তৌইগুম্বন্থুং শ্রীশ্রীগৌর-নিত্যানন্দগী কৃপাদগী পোৎ পুম্নমক্কী পাংশক খঙহল্লবদা (মক কত্তা খঙহল্লবদা), মুপী অঙাংনাচংবা পাৎ পুম্নমকপু মু ঙাইনবগীদমক্কি হাঙ্গীনা খল্লম্বত্থু, থাঙ্গৎশংবদি ফংঙাইনবগী মরু ওইরমদরে, অরেম্না পোৎশক নম্ববাশং অসিনা কনাবুম্নু ফংঙাইহন্‌বা ঙমদে, অত্থুগা জীবনা করিগুম্বা পোৎ থরবু বাম্নবগী মশক্কি হাঙ্গীনা খল্লম্বত্থুনা থাঙ্গৎশংবদি বাম্নবগী মরু ওইরমদরে বাখন থেন্দুনা পূকচেন লোংদত্থুনা, শ্রীকৃষ্ণবু কাউকত্থুনা বাম্নবগী মশক্কি হাঙ্গীদোকলুবা ওইরাম্ন।

দুই ভাই হৃদয়ের ক্ষালি অন্ধকার।
দুই ভাগবত সঙ্গে করান সাক্ষাৎকার॥ ৫৬
এক ভাগবত বড় ভাগবত শাস্ত্র।
আর ভাগবত—ভক্ত ভক্তিরস পাত্র॥ ৫৭

অর্থ

মথোয় অনিনা থমোইগী অমম্বা কোকহল্লী।
ভাগবত অনিগা লোইনননা অরেপ্পা খঙহল্লী॥ ৫৬
ভাগবত অমনা অচোবা ভাগবত পুরাণি।
অতোপ্পা অমনা ভক্তিরস পাত্র ভক্তনি। ৫৭

গৌর-কৃপা টিকা

যাখন থেনবা মরম্না ভাবনা শাবা মুংঙাইবা পূম্নমক অদুবু অরাবনি হাঙ্গনা লৌহুনা পূক্নিং লাংতক্লে; ভোইগুম্বসুং তত্ত্ব-জ্ঞান উহল্লবগা জীবনা খঙজবা ঙমজরে, হাঙ্গবদি শ্রীশ্রীগৌর-নিত্যানন্দগী কৃপানা ভাব তাব ঙমজরে—শ্রীকৃষ্ণনা অমত্তং ওইবা তত্ত্ববস্তুনি, শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌরগতা জীবনা মতম কুংনা থোরাংনা ঙাইহুনা লৈরম্বা অরেপ্পা মুংঙাইবা অদু ফংবা ঙম্মী; মথংদা অমগনু ভাব তংনা হুরে—শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফংনীংলবদি প্রেম হায়বা ফংননবা হোৎনখিবা তাই, প্রেম ফংননবা হোৎনবা তারবদি নাম সঙ্কীর্ত্তনচিংবা সাধন-ভক্তি হৈঙ্নবা হোৎনফম থোকই; হাঙ্গখিবনি ঙঙনা ঙৈতে অতো। পূম্নমক বানবগী মবম্নি মপানগী পোৎ পৃথিবীগী মপান্দ লৈরিবা পোৎ পূম্নমক অদুবুনি। উহল্লী—খঙহল্লী।

৫৬। শ্রীশ্রীগৌর-নিত্যানন্দনা মতৌ করম্না জীবগী থমোইগী অমম্বা কোকহল্লগা হৃদয় স্তু কোংদোকপ হাঙ্গনহু ইজয়ক্নি পযার অদুমদা। ইবুংঙো অনিনা জীববু চানবিহুনা—জীবনা শ্রীকৃষ্ণবু কাংহুনা থমোইদা অমম্বনা কুপশিনরব, অদু কাকহন্দুনা ভক্তি পোক্নবগী মক শ্রীমদ ভাগবতনচিংবা শাস্ত্রগা লোয়নননা অমসু ভক্তি-রস-রসিক ভক্তগা (ভাবকা) লোইননা বারী-বাতাই শাগহন্দুনা জগৎকী মসুদ অরেপ্পা পেংখক খঙহল্লী। মথোঙ অনিগী কৃপানা জীবনা শ্রীকৃষ্ণ ভজন তৌবদা পুক্নিং চংহল্লী অমসুং ভজন অদু মুম্নগা অমম্বা কোকগ্রবা থমোই অদুদা প্রেম ফাওরকই, মতম অদুদা প্রেম অদুনা খুদুম চন্দুনা শ্রীশ্রীগৌর-নিত্যানন্দনা জীবগী থমোইদা লেপে; মতম অদুদদি শ্রীশ্রীগৌর-নিত্যানন্দ নত্রগা শ্রীকৃষ্ণ নন্দনন্দন তোঙ্গ বরিঙ্গম্বা পেৎ জীবগী থমোই অদুবু চংথোকপা ঙমজে। ভগবৎ কৃপা লাক্লবা জীব অদু ভক্তি সম্পত্তি অমসুং সাধ মরম তৌনীংঙি।

মথোঙ অনিনা—শ্রীশ্রী গৌর-নিত্যানন্দন। ভগবত—ভগবত পুরান অমসুং ভক্তিরস রসিক—ভক্ত (ভাবক)।

৫৭। ভক্তিরসকী পাত্র ওইরবা ভক্ত অদুবুসু ভাগবত কৌই। ভাগবত পুরাণ—শ্রীমদ ভাগবতনচিংবসি শ্রীশ্রীভগবানগী রূপ-গুণ লীলাগী বারীনা থলবা ভক্তি পোকফম লংইরিক্নি (শাস্ত্রনি)। অচৌবা ভাগবত হাইরবগী মরমদি শ্রীকৃষ্ণগী মশক্নি; শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্ধান (থুপপ্রবা) ওইরবগী মতুংদা শ্রীমদভাগবতনা মহাকী মহুৎশন্দুনা চান্দুনা জগৎতা লৈকৌই।

"কৃষ্ণে স্বধামোপগতে ধর্ম্ম জ্ঞানাদিভিঃ সহ।
কলৌ নষ্ট দৃশামেষ পুরাণার্কোহধুনোদিতঃ॥ শ্রী ভাঃ ১।৩।৪৫॥"

দুই ভাগবত-দ্বারা দিয়া ভক্তিরস।
তাহার হৃদয়ে তার প্রেমে হয় বশ ॥ ৫৮

অর্থ :-

ভাগবত অনিনা ভক্তিরস, পীবিহুনা।
মহাক্কী থমোইদা মাগী প্রেম্না লৈ কাহুনা ॥ ৫৮

গৌর-কৃপা-টীকা

৫৮। ভাগবত অনিনা—শ্রীমদ ভাগবতনচিংবা ভক্তি পোকপা শাস্ত্র নৈনহন্দুনা (আলোচনা তৌহন্দুনা) অমসুং ভক্তিরস পাত্র ভক্তগা সঙ্গ তৌহন্দুনা শ্রীমদভাগবত আলোচনাগী মহৈ শ্লোক ৩৭ ত রাওথে অমসুং সাধু সঙ্গগী মহৎ শোক ২৮।২৯ দা য়েংবিয়ু।

মহাক্কী থমোইদা—শ্রীশ্রী গৌর-নিত্যানন্দনা থমোইগী অমম্বা কোক্তহন্‌বিহুনা ভাগবত সঙ্গ তৌহনবা জীব অহুগী থমোইদা। মাগী প্রেম্না লৈ কাহুনা—শ্রীশ্রী গৌর-নিত্যানন্দবু মাগী প্রেম্না কাহুনা লৈ।

রসিক-শেখর শ্রীকৃষ্ণনা ভক্তগী প্রেমরস থক্লীংবগ হুংবংনৈ (তাকৈ)। রস-থকপা (আস্বাদন) তৌনিংলা খুংনা ঙম্লগে হায়বদা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইদুনা নবদ্বীপতা তাল্লবে ভক্তগী থমোইদা ভক্তি রসপু লৈবা উরবদি খুদক অহুমক্তদা ভক্তিরস অহু থকদবগীদমক ভক্তগী থমোইদা চংশরে অমসুং ভক্তগী প্রেম্না কুপশিন্দুনা ফম এদদা অহুম লৈখরে। মরমদি, মহাক্ত প্রেমগী মথাপোক্তী অমসুং ভক্তিরস-পামজবান।

খোঙহি পামজবা খোইমুশিংনা কহিগুদ্বা মকমদা খোইহি চকু অমা উরবদি কল্লকপনা তাওহুনা খোইহি থন্ন-চক্লা চকু মন্নুংদ লৈরিবা খোঙহি অহুদা লুপথি, অহুগুমহুনা ভক্তিরস-খোরাবে শ্রীভগবানসু রস-পাম্বনা ভক্তগী পমোগী ভক্তিরস অহুদা লুপথি, অমুক কাখৎপ ঙমদে, কাথংক্তে হাঙ্গনসু থক্তে।

ভগবান মশানা মাগী ভক্তগী প্রেমগী মথ পোল্লী হায়বসি য়াই। ভগবানা দুর্ব্বাসাদা হায়থি —“হে দ্বিজ। ঐনা ভক্তবু লুংশি, ভক্তগী মথাপোল্লী ভক্তগী মকমদা ঐনা ইনিং—ইথা তৌবা ঙমদে। সাধু ভক্তশিংনা ঐগী থমোই অসিবু য়োংশিন্দুনা থমখ্রে। মতৌ ওইবী মুপীনা স ধু ওইবা মপুংবাইববু খুহুম চন্দুনা থম্বগুম্বা ঐবুত্তা থন্দুনা লৈরবা সাধুশিংনসু ভক্তিগী গুণ অহুনা ঐবু কাহুনা থমখ্রে। শ্রীভা, ৯। ৪। ৬৬ ॥ সাধবো হৃদয়ং মহ্যং সাধুনাং হৃদয়ন্ত্বহম্। মদন্যত্তেন জানন্তি নাহং তেভ্যো মনাগপি ॥ সাধুশিং অসি ঐগী

এক অদ্ভুত—সমকালে দোঁহার প্রকাশ।
আর অদ্ভুত—চিত্তগুহার তম করে নাশ ॥৫৯
এই চন্দ্র-সূর্য্য দুই পরম সদয়।
জগতের ভাগ্যে গৌড়ে করিলা উদয় ॥৬০
সেই দুই প্রভুর করি চরণ বন্দন।
যাহা হৈতে বিঘ্ননাশ অভীষ্ট পূরণ ॥৬১
এই দুই শ্লোকে কৈল মঙ্গল-বন্দন।
তৃতীয় শ্লোকের অর্থ শুন সর্ব্বজন ॥৬২
বক্তব্য বাহুল্য, গ্রন্থ বিস্তারের ডরে।
বিস্তারে না বর্ণি, সারার্থ কহি অল্পাক্ষরে ॥

অর্থ

অনিনা মতম্ মায়না কোংদোকপা অঙকপনি।
থমোই অতাগী 'মহা কোকৃহনবা মঙকৃপনি। ৫৯
মুমিং-থা অনি য়াম্না থৌজাল হৈথরে।
জগৎকী লাইবক্ কবনা গৌড-দেশতা থোক্লরে ॥৬০
অদুগা প্রভু অনিগী চরণতা খুরমজরি।
মাদুনা ঁয়ুখাইবা কৈডে, নীংব-থু বা ওইরি। ৬১
শ্লোক অনিদা তৌজরি ইষ্টদেব বন্দনা।
অহুমশুবা শ্লোকী অর্থ তাবিয়ু মহাম্না ॥৬২
হাইনীংবদি য়ামথরে লাইরিক্তি চাউরমীংজে
মর ওইবত: ইজরে শম্নোকা ইজজে। ৬৩

অনাদি—ব্যবহার—সিদ্ধ—প্রাচীনৈঃ স্বশাস্ত্রে উক্তঞ্চ
'মিতঞ্চ সারঞ্চ বচো হি বাগ্মিতা' ইতি ॥৩৯॥

গৌর-কৃপা টীকা

থমোইনি; ঐহ্ন সাধুশিংগী থমোইনি; ঐবু নত্তনা মথোইনা শর্ত্তে করিগুম্বা অমতা থঙবিজে; ঐহ্ন এথোয়বু নত্তনা শর্ত্তে করি অমতা থঙবিদে। শ্রীভা, ৯।৪।৬৮।" মহাকী ভক্তশী মথাপোল্লী হাইবা অসি কোংদোক্লগম্হ ভগবান মশানা হাইনীংঙাই চৈতনা হুংঙাইজে।

৫৯। পয়ার অসিদা আকাশকী মুমিং-থাদগী শ্রীশ্রীগৌরনিত্যানন্দনা হেন্না অঙকৃপা মতম দৈ হাইবদু থঙহন্নী হৃদ্ব'ঙে অমগী মরম আনদা অঙকপা দৈ। আকাশকী মুমিং-থাদ মতম অমত্তদা পূম্না থোকাম্নদে; তাইবুদুং মুমিং-থাগুম্বা শ্রীশ্রীগৌর-নিত্যানন্দ আনাদ মতম অমত্তদা পূম্না থোকৃলিরে (আবির্ভাব ওই); মাসি অঙকৃপা মরম

শুনিলে খণ্ডিবে চিত্তের অজ্ঞানাদি দোষ।
কৃষ্ণে গাঢ় প্রেম হবে পাইবে সন্তোষ॥৬৪
শ্রীচৈতন্য-নিত্যানন্দ অদ্বৈত মহত্ত্ব।
তার ভক্ত ভক্তি নাম প্রেম-রস তত্ত্ব॥৬৫
ভিন্ন ভিন্ন লিখিয়াছি করিয়া বিচার।
শুনিলে জানিবে সব বস্তু-তত্ত্ব সার॥৬৬
শ্রীরূপ-রঘুনাথ-পদে যার আশ।
চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস॥৬৭
ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে আদিলীলায়াং
গুর্ব্বাদি-বন্দন-মঙ্গলাচরণং নাম
প্রথম পরিচ্ছেদঃ। ১

অর্থ

থমোইগী অমম্বা—দোষ, তাজরগা কোকনি।
কৃষ্ণদা প্রেম চংথোন্‌গনি জুংতাইবা ফংগনি। ৬৪
শ্রীচৈতন্য-নিত্যানন্দ-অদ্বৈতগী গুণবু।
মাগী ভক্ত ভক্তি নাম-প্রেম-রস-তত্ত্ববু ৬৫
বিচার তৌজদুনা তোপ্পা তোপ্পা ইরবনি।
বামচং পূম্নমক তাবিরগা খঙবিগনি ॥৬৬
শ্রীরূপ, রঘুনাথ চরণ আশা তৌজবনা।
চৈতন্যচরিতামৃত লোংই কৃষ্ণদাস্‌না ॥৬৭
শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত আদি-লীলাদা গুরুশিংবু
খুরুমজবগী মঙ্গলাচরণ অহানবা মতাং লোইজরে ॥১

গৌর-কৃপা-টিকা

অমা ওই। অতুগা আকাশকী নুমিৎ-থাদি চাংগী গুহা লোইদুগী অমম্বা কোকহনবা ঙমদে, তৌইগুমন্নং শ্রীশ্রীগৌর-নিত্যানন্দনা জীবগী থমোইগুহাগী অমম্বা কোকহল্লী। মাসি অতোপ্পা অতকৃপা অমনি। অনিবু—শ্রীশ্রী.গৌরনিত্যানন্দবু।

৬০। নুমিৎ-থা অনি—শ্রীশ্রীগৌরনিত্যানন্দ। জগৎকী লাইবক কবনা-জগৎতা লৈরিবা জীবগী লাইবক কহুনা।

৬২। শ্লোক অসিদা—অহোবগী শ্লোক অনিদা। ইষ্টদেব বন্দনা-ইষ্টদেব পুরকপী মঙ্গলাচরণ। অহমগুবা শ্লোকী—অহোবগী অহুমগুবা শ্লোক'বন্দেতং' হায়রিবগী।

গৌর-কৃপা-টিকা

৬৩। লাইরিক্তি চাউহল্লীংত্রে—শ্রীমন্মহাপ্রভুগী মরমদা ইগনবদি য়ায়া নৈদ্রে, পূৱমক্, ইকৱবদি লাইরিক য়ায়া চাউখিবা তাৱে ; অদুনা শয়া থজিক্তং ওইনা ইজরে।

শ্লোক ৩৯। অনুবাদ-থাইনগী মীশিংনা হাঙ্গৈ—"ময়েক্তি য়াম্‌না মচি ওইবা বাহৈ থজিক্তা হাঙ্গৱগা থঙনবত্ হৈ-শিংব-অথোইবনি।" মিত্তং—বা য়ায়া তাংদব', ময়েক থজিক্তং ওইবা। সারং—মচি। বাগ্মিতা—বা তাংবদা হৈ-শিংবা।

৬৪। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত—তাজবগী মহুয় (ফল) হাঙ্গজরি। অমঙ্গ—অমঙ্গন-চিংবা, জ্ঞান্ বাংপা থিখিক।

অমঙ্গা মগাগী মখিং—অজ্ঞান—বিপর্য্যাস—ভেদ—ভয়—শোক: (চক্রবর্ত্তী)। অজ্ঞান—পোৎশক থওদবা, অমঙ্গা। বিপর্য্যাস—হকচাংনচিংবদা ঐনি হাঙ্গনা থওহন্‌বা। ভেদ—লৌনীংবা, চানীংবা। ভয়—কিবা, অপাঙ্গা পোৎ ফংনীংবা অহু মৈখাইরগজ্রা হাঙ্গনা চিংনবা। শোক—মাওপ্রবা পোৎকোদমক বাবা। মগ' অসি অমঙ্গা তাক্তনি।

দোষ—মরাল, পাপ্,' দোষ মথল তরানিপানি। (১) মোহ (চমন্নবা)। (২) তন্দ্রা (তুম্বা, তন্‌বা)। (৩) ভ্রম (অকাউবা) (৪) রুক্ষরসতা (অয়াকৃপা)। (৫) উল্বণ কাম (অৱাবা পীবা অপাম্ব) (৬) লোলতা (ও'ওশিন্নবা, থৌৱাংগন্‌বা)। (৭) মদ (ময়াই কাবা)। (৮) মাৎসর্য্য (কল্লকপ', মীগী চাওখৎপা উরগা থাঙ্‌বা তমদবা)। (৯) হিংসা (হুংশি হৈত্তবা)। (১০) খেদ (বাবা)। (১১) পরিশ্রম (নোম্বদা বাব)। (১২) অসত্য (চুম্‌দবা)। (১৩) ক্রোধ (অশাওবা)। (১৪) আকাঙ্ক্ষা (থৌৱাংবা, ফংনীংবা)। (১৫) আশঙ্কা (চিংনবা)। (১৬) বিশ্ববিভ্রম (জগৎত্তকপা)। (১৭) বৈষম্য (চুম্‌দবা, চৎরুবা)। (১৮) পরাপেক্ষা (অতোপ্পবু তাইবা)। ভ,র,সি,—দ, লহরী-ধৃত বিষ্ণু যামলবচন, ১৩০।

শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত লাইরিক তাবদা থযোইগী অমঙ্গনচিংবা অমসুং দোষ তরানিপান্, পুম্‌কোক্-কোক্‌ই, কৃষ্ণদা প্রেম য়ায়া নৈ অমসুং থমোইদা হুংতাইবা পোকই।

৬৫। লাইরিক অসিদা কয়ম-কয়ম মরম নৈনগদপে থয়গদপে (আলোচনা তৌগদগে) হায়বত্ শঙ্গমা ফাঙ্গজরি। শ্রীচৈতন্য, শ্রীনিত্যানন্দ অমসুং শ্রীঅদ্বৈত প্রভুগী মতুন, মখোইগী ভক্ত-তত্ত্ব, ভক্তি-তত্ত্ব, শ্রীনাম তত্ত্ব, প্রেম-তত্ত্ব, অমসুং রসতত্ত্ব পূৱমক অসিগী মরম নৈনগনি (আলোচনা তৌগনি)।

৬৬। বা মচং-বস্তু-তত্ত্বগী মরমদা মচি ওইবা বা।

শ্রীচৈতন্যপ্রভুং বন্দে বালোঽপি যদনুগ্রহাৎ।
তরেন্নানামতগ্রাহ—ব্যাপ্তং সিদ্ধান্ত সাগরম্ ॥ ১

গৌর-কৃপা-টিকা

৬৭। শ্রীরূপ রঘুনাথ অসিনচিংবা লাইরিক অসিদা শ্রীমন্ মহাপ্রভুগী লীলা পূরমক ইরিবসি লাইরিক লেংলিবা কবিরাজ গোস্বামীনা পূরমক অসি ভংশং-ভংশংদা উহৌবমক্তি নত্তে। শ্রীলরঘুনাথ দাস গোস্বামীনা মতম য়াম্না কুইনা প্রভুগা লোইনচনা নীলাচলদা (শ্রীক্ষেত্রদা) লৈরম্মী; মহাক্না অয়াম্বা লীলা উবম্মী। স্বরূপ-দামোদর গোস্বামীনা, প্রভুনা য়ুম পাম্লিবৈদগী তিন্নরকপনি, মানা লীলা পূরমক থম্মী; অতুদগী হেন্দোক্লনা প্রভুগী পূম্লিংগী তাব পূরমকপু থম্মী; শ্রীমন মহাপ্রভুনা রঘুনাথ দাস গোস্বামীবু স্বরূপ দামোদরগী মখুত্তা পিরে; মাগা লোইননা লৈমিন্নরগা দাস-গোস্বামীনা স্বরূপকী বারীদগী (বাচন্নগী) প্রভুগী লীলা অয়াম্বা তারম্মী। অদুগা শ্রীরূপ গোস্বামীসু প্রভুগী লীলা অয়াম্বা উরম্মী অমসুং স্বরূপ দামোদরগী মকমদগীসু অয়াম্বা লীলা তারম্মী। লাইরিক লেংলিবা শ্রীল কবিরাজ গোস্বামীনা হায়রিবা ভক্ত অনি অসিগী পাউতাক য়াথং অমসুং অয়িবদগী মচাক্ য়াম্না খোমজিন্দুনা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত কৌবা লাইরিক অসি ইখ্রিবনি। স্বরূপ গোস্বামীনা থম্বা মখৈগা, রূপ-রঘুনাথনা থম্বা মখৈগা খোমজিন্দুনা ইবনি, ইরিবা থবা অসি কবিরাজ গোস্বামীগী লোয় নত্তে।

শ্রীরূপ গোস্বামী অমসুং শ্রীদাস গোস্বামীগী কৃপানা লাইরিক অসিগী মচাক য়াম্না ওইখ্রে হায়চনা লাইরিক লেংলবনা, ভক্তিগা লোইননা ভৌমিমদ উচ্চরি মতাং থুডিংগী অরোইবদা মথক্ক ইখ্রিবা পয়ার অসিগী মতৌগুম্না শুণিত হাপচরে অসুম্না হাইনবসু য়াওই, "লাইরিক লেংলিবা কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীনা ইথ্রবা থবা অসি মহাক্না শেম-শাজনা ইবা অমত্তা নত্তে; শ্রীরূপ গোস্বামী অমসুং শ্রীরঘুনাথদাস গোস্বামীগী থাবং তাক্তবা মখৈগা মখোইনা ইবিরম্বদগী শিন্দোক্চবা মখৈতক মখোইগী চরণ নাংশিংজদুনা মহাক্না ইজবনি "

শ্রীরূপ গোস্বামীদগী হৌদুনা শ্রীরঘুনাথদাসনা লোইবা গোস্বামী গুরুকপু খুরুম-জদুনা ইজবনি।

শ্লোক ১। অন্বয়। বাল : (অজ্ঞাং, অপণ্ডিতা) অপি (অমসুং) যদনুগ্রহাৎ (মহাকী— শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যগী কৃপানা) নানামত গ্রাহ ব্যাপ্তং (মথক-মথা অয়াম্বা জাংকী লাইরেন্জ থম্বা) সিদ্ধান্ত সাগরং (সমুদ্রগুম্না চাউবা সিদ্ধান্ত) তরেৎ (লান্থোক্ই) তং (অদুম ওইবা) শ্রীচৈতন্য-প্রভুং (শ্রীচৈতন্যপ্রভুবু) বন্দে (খুরুমজরি)।

গৌর-কৃপা-টীকা

অনুবাদ—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুগী কৃপাদগী অতাংগী মতৌ ওইরবা কবিরাজ খঙদরবা অপঙবা মীসু মখল-মখা অয়াম্বা তাংকী লাইরেঙ্গা পন্না সমুদ্র ওইরবা সিদ্ধান্ত (অচুম্বা অরেপ্পা) লাহোকপা (খঙবা) ওদী, অদুগ ওইবা ইবুংঙো মাবু ঐনা খুরুমজরি ১।

সমুদ্রবু ঐখোয়না ইলাই-লাইনা, লাহোকপা ওমদে, অদুগুমদুনা করিগুম্বা মরম অমগী পরতত্ত্বগী (অচুম্বা অরেপ্পা ওইরদুনা য়ামলবা খ্বাইদগী অথোইবা ওয়্বগী) মীমাংসানা (সিদ্ধান্তশু) ইলাই-লাইনা লেপ্পা (খঙবা) য়াদে ; মরম অদুনা সিদ্ধান্তবু সমুদ্রগী মশক্তি হাইরিবনি।

মতাং অসিদা লাইখিক লেংলিবা কবিরাজ গোস্বামীনা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যনা পরতত্ত্বনি হাইবদু কোংদোক্লি। পরতত্ত্বগী মরমদা অতোপ-অতোপ্পা সম্প্রদায়গী অতোপ-অতোপ্পা মোং (মত) লৈ ; মোং পুম্মক অদু ককথংলগা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা খ্বাইদগী অথোইবা পোংশক তত্ত্বনি (পরতত্ত্বনি) হাইনা কোংদোকপা অসি য়াম্না লুবা বানি ; তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যগী কৃপা লৈরবদি য়াম্না লুবা থৌরমসু ইলাই-লাইনা কোংদোকপা ওদী। মরম অদুনা পুকচেল মোং মাম্নবা মরাম অসি নীংশিংদুনা মথোইশাং অদুবু পুকচেল মোং অমতদা লেপ্পা য়াননবগীদমক গোস্বামী লাইরিক লেংলিবনা শ্লোক অসিদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী কৃপা নিজরি

সিদ্ধান্ত সমুদ্র অসিদা মখল-মখা অয়াম্বা তাংকী (মোংকী) অকিবগী মশক ওইবা হিংসা তৌবা লাইরেঙ্গা কোইচৎ-চত্নরো লৈরিবনি ; অদুগুম্বা সমুদ্র অদু লাহোকে হাইনা হোৎনরবদি খোংথাং খুদিংগী খুদোং থীবদা তাবা য়ানা লৈরিবনি।

অদুগুমদুনা পরতত্ত্বগী মরমদা করিগুম্বা সিদ্ধান্ত (অচুম্বা) অমা খঙবা হাইবসি য়াম্না লুই ; অদুগী মথক্তা অমুক সম্প্রদায় তোঙান-তোঙানবা য়াম্না লৈবা মরম্মা পরতত্ত্বগী মরমদা মুম্না খঙনবা হোৎনবদা অমুক হেম্না লুখরে। মতৌ অসিদা লাইরিক-লাইদু অহেবা মীনম্ম অরেপ্পা সিদ্ধান্ত অমা খংননবা হোৎনবদা অয়াইবা থবক নত্তে। তৌইগুম্বসুং বনাকুবা মী অমগী মকমদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা কৃপা তৌবিরবদি লাইরিক হৈবা (শাস্ত্রজ্ঞ) মী য়াদি থব-থমখিসি, জ্ঞান লৈতবা অঙাংনসু সম্প্রদায় তোঙান-তোঙানবগী অতোপ-অতোপ্পা মোং অদু ককথংদুনা অরেপ্পা সিদ্ধান্ত অমদা য়ৌবা ওদী। বা অসি হাইশিনবা বা নত্তে। পরতত্ত্ব হাইবসি অকোংবা পোৎনি ; ইবুংঙো মহাক্না মাগী তত্ত্ব খঙহনীংবা মী অদুগী মকমদদি ইলাই-লাইনা খঙহল্লো ; শাস্ত্র য়াম্না হৈরগতঃ মাগী তত্ত্ব খঙবা নত্তে। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অসি পরতত্ত্বনি, মহাক্না কৃপা তৌবরবদি অঙাংগী থমোইদসু মাগী তত্ত্ব কোংদোকপী ; মতৌ অদুদা অঙাং অদুসু মাসু লাইনা তাব তাবা ওদী।

কৃষ্ণোৎ কীর্ত্তনগান নর্ত্তন কলাপাথোজনিভ্রাজিতা
সদ্ভক্তাবলি-হংসচক্রমধুপ-শ্রেণীবিহারাস্পদম
কর্ণানন্দি কলধ্বানির্বহতু মে জিহ্বামরুপ্রাঙ্গণে
শ্রীচৈতন্যদয়ানিধে তব লসল্লীলা সুধাস্বধুনী ॥ ২

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রাহ—লাইরেন। লাইরেনগা সম্প্রদায় তোঙান্-তোঙান্‌বগী মোংকা চাংদমনবগী মরমদি লাইরেম্না সমুত্রদা, কুমহৎনা লাকপা মী মোংকদবগী হোংনৈ, অদুগুমহৌনা তোঙান-তোঙানবা মোংকী মীনম্ব, মাগী মাগী যুক্তি অহুনা, পরতত্বগী মরমদা, অরেপ্পা অচুম্বা হংজরিবা থিজরিবা মী অদুবু তুমহৎকদবগী হোংনৈ।

শ্লোক। ২। অন্বয়। দয়ানিধে (হে থৌজাল হৈবা) শ্রীচৈতন্য! (হে শ্রীচৈতন্য!) কৃষ্ণোৎকীর্ত্তন-গান-নর্ত্তন-কলা-পাথোজনি-ভ্রাজিতা (শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা সঙ্কীর্ত্তন লাউনা তৌবা, ইশৈ-শকপা অমসুং জগোই-শাবা অদুনা স্বর্গগী মন্দাকিনী তুরেন্দা হৌবা থম্বান মম্বাম্না ফুগাইনা শাংগদোনা কজথরে) সদ্ভক্তাবলি-হংস-চক্র-মধুপশ্রেণী-বিহারাস্পদং (কাংঙা-চক্রবাক-অমসুং খোইমু পূরমকী মুংঙাইনফম্, শারুকম্ ওইবা মন্দাকিনীগুম্না লীলাবুম্ভ ভক্তশিংনা অদুম্না লৌরি) কর্ণানন্দি কলধ্বনিঃ (নাকোংবু পেল্‌হন্‌বা মুংশিনবা খোজেন তব (নংগী) লসল্লীলাসুধাস্বধুনী (স্বর্গগী অমৃত মন্দাকিনী তুরেনগুম্না শেংলবা রসনা থল্লবা লীলানি) মে (ঐগী) জিহ্বামরু-প্রাঙ্গনে (লৈজোইগী চম্‌গুম্না কংলবা লৈরেংদা) বহতু (চেনশিন্‌বিরকউ)।

অনুবাদ। হে থৌজালহৈবা শ্রীচৈতন্য! নচাক্ক শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা লাউনা সঙ্কীর্ত্তন তৌবা, ইশৈ-শকপা অমসুং জগোই শাবা অদুনা স্বর্গগী মন্দাকিনী তুরেন্দা হৌবা থম্বান মম্বাম্না ফুগাইনা শাংগদোনা কজথরে; কাংঙা চক্রবাক্ অমসুং খোইমু পূরমকী মুংঙাইনকম্, শারুকম্ ওইবা মন্দাকিনীগুম্না লীলাবুম্ভ ভক্তশিংনা অদুম্না মুংঙাইনরি অমসুং মন্দাকিনীগী ঈশিং ইরাওথোন্ তাবদা মুংঙাইবা, মুংশিনবগুম্না লীলাগী ইহৌন্‌গী খোজেনসু তাবদা নাকোং পেল্লী মুংশি; স্বর্গগী অমৃত মন্দাকিনীগুম্বা অমৃত-রসনা থল্লবা নহাকী লীলাগী ইচেল, অদু ঐগী মরুভূমিগুম্বা কংলবা লৈরেংদা চেন্‌সিন্‌বিরকউ। ২।

শ্লোক অসিদা লাইরিক লেংলিবনা শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুগী চরণা, ইবুংঙো মাগী লীলাগী বাখীমু মাগী লৈরেংদা কাওবিরকনবগীদমক প্রার্থনা তৌজরি। মতৌ অদুম্না প্রার্থনা তৌবিবগী মরম করিগীনো? পাওখুম—লাইরিকী মতাং অহানবদা গোস্বামীনা শ্রীমন্

গৌর-কৃপা টীকা

মহাপ্রভুগী তত্ত্ব হায়িথরে, লীলাদি হায়িথদ্রি। অদুনা লীলা হায়রকপা তাবর্বদি লীলা অদু থমোইদা অমম্বুং লৈয়েংদা কাওবিররুবগীদমক প্রার্থনা তৌরিবনি। শ্রীচৈতন্যগী লীলা কীর্ত্তন তৌবা ঙমবদি মাগী কৃপা মংডি—কৃপা অদুগী মওুরা ইবুংগো মাগী তত্ত্ব থমোইদা কাওবিরকৃপা য়াই। তৌইওবসুং ভগবানগী নাং-রূপ-গুণ-লীলানচিংবদি, কনাগুম্বা জীব অমত্তমা মশা মতৌমদনা হোৎনজহনা মশাগী লৈয়েংনা কীর্ত্তন তৌবা ঙমদে। কনাগুম্বা সেবাদা থবাই য়াওবশিংনা নাম-রূপ-লীলানচিংবা কীর্ত্তন তৌগে হায়না নীংলবদি নাম-রূপচিংবনা কৃপা তৌবিহনা মী অদুগী লৈয়েংদা কাওবি।

> "অতঃ শ্রীকৃষ্ণ নামাদি ন ভবেদ্ গ্রাহ্যমিন্দ্রিয়ৈঃ। সেবোন্মুখে হি
> জিহ্বাদৌ স্বয়মেব স্ফুরত্যদঃ॥ ভ, র, সি, পূ, ২। ১০৯॥"

লীলা অদুনা কৃপা তৌবিদহনা লৈয়েংদা কাওবিরক্কবদি কনা অমত্তনা কীর্ত্তন তৌবা ঙমদে; মরম অদুনা লাইরিক লেংলিবা গোস্বামীনা লীলা কথাবু লৈয়েংদা কাওবিররুবগী-দমক প্রার্থনা তৌরি।

জীবনা মশানা হোৎনজহনা মশাগী লৈয়েংদা ভগবল্লীলানচিংবা কীর্ত্তন তৌবা ঙমদে হায়হনা কবিরাজনা মহাকী লৈয়েংবু মরুভূমিগুমনি হায়রি—জিহ্বা-মরু-প্রাঙ্গনে—মরুভূমিদা করিগুম্বা তুরেন অমত্তা লৈত্তে অদুগুম্না মহাকী লৈয়েংস্থ লীলা কথা (বারী) অমত্তা লৈত্তে—লৈয়েং অদুদা মরমাই হোৎনহনা লীলা কীর্ত্তন তৌবা ঙমদে। কারণগুম্বা তুরেমা মশা মতৌমক্তনা মরুভূমিগী লমদমদা চেল্লবদি অকংবা মরুভূমি (য়াম্না শাবা লৈত্তোইগী লম্) অদু চোৎলি, লৈহাও লৈ, অদুগুমহনা লীলানা কৃপা তৌবিহনা লৈয়েংদা কাওবিররবদি, মচৌশানা লীলা কীর্ত্তন তৌবদা মতিক চারম্দবা হৈরম্দবা অদু লীলা কীর্ত্তন তৌহনা, লৈহাও লৈরম্দবা লৈয়েং অদু লৈহাও লৈহল্লী অমম্ভং লাইবক কল্লী। য়োৎনা মরমাইগী চাকপা ঙমবগী শক্তি লৈত্তে, তৌইগুমম্রং মৈগা শম্নবদি চাক্পা ঙবগী শক্তি লৈরকই, অদুগুমহনা জীবগী লৈয়েংদা লীলা কীর্ত্তন তৌবগী শক্তি লৈত্রবসু লীলাগী কৃপানা কীর্ত্তন তৌবা ঙরকই।

লীলাগী বা অসিবু স্বর্গগী গঙ্গা হায়িবদি মন্দাকিনীগী মতৌগুম্ম হায়না চাংদম্নরে। মরমদি, মন্দাকিনী হায়িবনি অশেংবা তীর্থ অমনি, করিগুম্বা অমাংবা পোৎ অমনা মাত্তোন্দা শোক্রবগম্ব মাংবা লৈত্তে, অশেংবা অদু মরেং তাবিবা লৈত্তে, অহোইনহনা অমাংবা পোৎ অদু অশেংবা ওন্থি, অদুগুমহনা শ্রীচৈতন্যগী লীলা অসিস্থ মহোশানা শেংহনত্তা লৈরিবনি, মায়াগী (বিষয়গী) থবক্তা পুক্নিং চংলিবা অমাংবা লৈয়েং অসিনা শৌরুরবস্থ লীলানা অমুক

মাংঙ্‌বা লৈতে, অহোইনচুম অমাংবা লৈরেং অচুনা অপেংবা লীলা শোক্‌লবগী, বাহৌ শাক্লবগী লৈহৌংগী মপূ ওইরিবা জীব অদু শেংডি হায়বদি পাপ কোক্‌ই।

লীলাবু সুধা স্বর্ধুনী হাইবদি অমৃতমন্দাকিনী হাইরে। মন্দাকিনী তুরেল্‌গী ঈশিং লৈ, মাচু অচুক্‌ মায়া থক্লবা ঈশিং ওইনা শিজিন্নদে; তৌইগুম্নচুং মন্দাকিনীগুম্বা লীলাগী বাহৌদা থাইগী ঈশিং অসি লৈতে, অমৃতনা থম্লা লৈ। হাইরিবা অসিগী বা মচংদি, লীলাগী বা অসি অমৃতগা মান্ননা থুম্মী মচাও লৈ; কীর্তন·····তৌবা হৌব্রবাদ অমুম অমুম তৌনীংলক্‌ই

লীলা-মন্দাকিনীগী বিশেষণ অমা লীরি—'লসৎ'—ইতত্তত্তনা লংনা কোংদোক্‌লা লৈবা। মসিনা খঙ্‌নরিবদি, মরুভূমিগী ময়াইদা করিগুম্বা তুরেন অমা চেল্লপবদি তুরেন অদু মরুভূমিনা চুপশিনাখবা য়াই অমসুং মতম খরগী মতুংদদি তুরেন লৈরম্মী হাইবসি কাওবা খঙনরক্লবা য়াই, তৌইগুম্নসুং ইতত্তত্তনা তান্দুনতা লৈবরা লীলাগী ঈচেল্লি মরুভূমি-গুম্বা লৈরেং অসিদা চেন্‌বা চৌপ্রবদি কৈদৌউৈদসু কংবা লৈররোই, মরমদি মাদি মতম পূম্নমক্তা কোংদোক্‌নত্তা লৈব্না অমসুং ইথক্‌ তোইনা চৌচুনা চেল্লিবনিনা। শ্রীচৈতন্যগী লীলা-মন্দাকিনীগী থুদম করামরম শ্লোক অসিদা হাইরি। মাথুদি—অহানবদা, কৃষ্ণোৎ-কীর্তন-গান-নর্তন-কলাপাথোজনি ভ্রাজিতা। মন্দাকিনীদা থম্বান শাংপগুম্বা লৌলাদসু অতুগুম্বা থম্বান শাংলি, কীর্তনগী কজবা, ইশৈগী কজবা, জগোইগী কজবা, পূম্নমক অসি লীলা মন্দাকিনীগী থম্বানগা মান্নে হায়না লৌরি। কৃষ্ণোৎকীর্তন—শ্রীকৃষ্ণগী নাম (মিং) খোঙেল লাউনা হাইবা। গান—শ্রীকৃষ্ণগী নাম-রূপ-গুণ-লীলানাচংবা মরমগী ঈশৈ। নর্তন—ইশৈ শকপা মতমদা জগোই শাবা। কলা—পাম্বৈ, কজবা। পাথোজনি—পাথোগী অর্থদি ঈশিং চাইবনি, ঈশিংদা পোকপা অতুবু পাথোজনি কৌই; থম্বান। ভ্রাজিতা—লৈতংবা। মথক-মথা অয়াম্বা থম্বানা শাংলগা মন্দাকিনীনা কজবা চেনগংপগুম্বা; প্রভুনা, শ্রীকৃষ্ণগী নাম খোঙ্গেল বাংনা হাইবা, শ্রীকৃষ্ণগী নাম-রূপ-গুণ লীলাগী মরমদা ঈশৈ শকপা অমসুং ঈশৈ শকপা মতমদা জগোই শাবা, কজবা পূম্নমক অসীনা শ্রীমন মহাপ্রভুগী লীলাগী নিংথিজবা অদু অমুক হেন্না কজখরে, হাইবদি প্রভুগী লীলা আসপুক্লং চুনবগী মথক ওইখরে।

অনিগুবদা, লীলা মন্দাকিনী অসি, সদ্ভক্তাবলি—হংস-চক্র-মধুপশ্রেণী বিহারাস্পদ। মন্দাকিনীদা কাংঙ, চক্রবাক অমসুং খোইমু পুম্নমক্না মপৈ-মপৈ তিন্নচুনা নুংঙাইথরে অতুগুমচুনা প্রভুগী লীলা অসিদা ভক্তশিংনা নুংঙাইনরি। সদ্ভক্ত—সাধুভক্ত, মোক্ষ (মুক্তি মথক মন্না) থাদোক্‌লা কৃষ্ণগী নুংঙাইনবগী পেন্নবগীদমক সেবাদা

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌর ভক্ত বৃন্দ॥ ১

অর্থ :—

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ জয় গৌর ভক্ত বৃন্দ॥১

গৌর-কৃপা টীকা

পুক্লিং লুপবা মখোঈশিং অহু সদভক্তনি। সদভক্তাবলি—সেবাদা পরাই য়াওবা সাধুভক্ত পুম্নমক। চ০ চএবাক ; উচেক জাৎ অমনি ; মখোঈদি মুংথিনবী মংমদা ঈশিংদ০ দা। **বিহারাস্পদ**—শাম্ননবা মফম (লীলা মন্দাকিনী), বাংও শিংনা ঈশিং দা শাংবা। ভক্ত অমসুং য়ু ড্রাইজে অহু মহুনা ভক্তশিংসু শ্রীচৈতন্যগী লীলাগী এরংদা বোরী ও খাই শরুবা পামজে অমসু, মাহুদা নুংঙাইজে। বাংথা, চক্রবাক অমসুং খোঈসু জীব মখল অহু অসিগা ভক্তা চাংদঃবিবা অসিনা প্রবৃত্তিবদি ভক্তগী মপুংদসু অংগানবা, মরুই মসং থোইবা মখল ভক্তগী ভক্ত লে হাঈবা ফোংদোবন্ধ। অংগানবা ভক্ত, মথাই॥ ভক্ত শমসং অথোইবা ভক্ত মখল অহুগী ভক্ত লৈ হাঈবা ফোংদোবন্ধ। অংগানবা ভক্ত থাং। ভক্ত অমসুং অথোইবা ভক্ত মখল ভক্তগী ভক্ত অসিনা শ্রীচৈতন্য প্রভু ... পুংবা খাংবা চুপ্পা ... ড্রাই অমসং য়ু ড্রাইনবি। ইতি শ্রীচক্রবর্তিপাদ।

ভক্তগুবদা, লালা মন্দাকিনী অসি, বর্ণানন্দি কানবন। মন্দাকিনী ... তপ্ম ভগ্ন চেংবদা হাঈদোকফম খংদবা ঈশিংগী তরাংখোন। ... শাং ... বা। ষ্ট্রাত, অহুংদনা নাংগামসু খোংনবা ... থোনকই, মাহু হেক ... থাংবা ... পঙ্কীংবা পোকই।

অপম ওইবা মন্দাকিনীগুম্বা লীলাগী ঈচেন অসি লৈহে দা ভমুক্তং চেংনগা তোকনি। অপম হাঈনা লাইরিক লেংনিবনা প্রার্থনা তৌদে। বহু—গঙ্গাগী ঈচেন শোংথাবা, লোনবগুং, লীলাগী ঈচেনসু অতংপা লেংনা লৈমেংদা চেন্দনা ... হাঈনা পার্থনা তৌজবি।

১। শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যচন্দ্র, শ্রীনিত্যানন্দ চন্দ্র, শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্র অমসুং শ্রীগৌরভক্ত পুম্নমকপু খুরুমজরি। বাহৈ অসিনা, লাইরিক লেংনিবনা ফোংদোবদোংবা শিং ম অদোংদা তাবিগদৌ বর্ণিংগী পুক্লিং চিংশিনজবনি (১।১।১ পযারদা যেনি)। এং বাহৈ অসি মাইংনা ইরান ওইনা শ্রীল শ্রীকন্তা মহারাজগী মমাংদগী শিক্ষিতাব।

তৃতীয় শ্লোকের অর্থ করি বিবরণ।
বস্তুনির্দ্দেশরূপ মঙ্গলাচরণ॥ ২

যদদ্বৈতং ব্রহ্মোপনিষদি তদপ্যস্য তনুভা
য আত্মান্তর্য্যামী পুরুষ ইতি সোঽস্যাংশ বিভবঃ।
ষড়ৈশ্বর্য্যৈঃ পূর্ণো য ইহ ভগবান্ স স্বয়ময়ং
ন চৈতন্যাৎ কৃষ্ণাজ্জগতি পরতত্ত্বং পরমিহ॥৩

ব্রহ্ম আত্মা, ভগবান,– অনুবাদ তিন।
অঙ্গ প্রভা, অংশ, স্বরূপ, তিন বিধেয়-চিহ্ন॥০

অর্থ :–

[illegible] শ্লোকো [illegible]
[illegible]॥
[illegible]।
[illegible]।৩

গৌর কৃপা লীলা

২ [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] অন্তর্য্যামী [illegible] ভগবান [illegible]

“যদদ্বৈতং” শ্লোক [illegible]।

বম্মাগী নশক্তি অসিনি—ব্রহ্ম হাঙ্গৈবসি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী হকচাংগী নভানি, ৩০০ অসিগুমদুনা আত্মাসু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অংশনি (পোৎ মপুম অমগী শবক মচেং অমবু অংশ কৌই) অমসুং ভগবানসু (নারায়ণসু) শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী খেন্নদবা নশক—বিলাসকী নশক্তি (মতুংগী পয়ার ১৫ অমসুং ২০—অদুগা ৪৫ ৭৭ পয়ারদগী শেংনা খঙবা ঙম্মী, পরব্যোমাধিপতি নারায়ণ "মদদো" শোভা য়াওবিনা ভগবান নারায়ণ অসি শ্রীকৃষ্ণগা হাঙ্গৈবদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগা খেন্নদবা নশক্তি—বিলাসকী নশক্তি)। হকচাংগী নভান, অংশ, খেন্নদবা মশক তন্তন অসি ব্রহ্ম, আত্মা, ভগবান॥ নশক অতম অসি ব্রহ্ম, আত্মা, ভগবানগী মশক খঙহনবনি। ব্রহ্ম, আত্মা অদুগা ভগবান অমসুং মখোইগী নশক খঙহনবা হকচাংগী নভান, অংশ, নশক স্বরূপ বাহে ৩০৭ অসিগী র স্বার্থ অসিদা হরি।

অমা নাংনা অথোইবনা হঙনবা ন বা নৌশিংনা নম্বু, যোগমায়ানা অথোইবনি হাঙ্গৈবা নাবা নৌশিংনা পরমাত্মাবু অমসুং রামানুজ-সম্প্রদায়গী ভক্তশিংনা পরব্যোমগী ঙম্মু নারায়ণবু নবওই বাহ [illegible] পশোক্তা মতমদা লাক্লিবিক লেংনিবিবনা নিচান কোনদা হাঙ্গৈবা পুম্নমক্কা নবতই অমনা নত্তে। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা নবওইনি, মখোই মসম অসি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা খঙবা [illegible] বনি (শাবিভাস ওইবনি)। ভগবান হাঙ্গৈবা কৃষ্ণচৈতন্য অসি নবদ্বীপদা [illegible] ভগবানগী নশকপু খঙনবগী মতৌ মতম ওইগী লম্বু লইবিবা নারায়ণবু—(রামানুজ-সম্প্রদায়॥ ন ংনিবা লাইদা) নি হাঙ্গৈনা ৩ ক, নারায়ণ নবওই নত্তে হাঙ্গৈবনিদা। [illegible] মদা লৈবা [illegible] নাম্মা ভগবান [illegible] নাওই উইক্রম থোকে।

অনুবাদ "[illegible]" [illegible] অনুবাদ বোহ। খঙদবা [illegible] বিশেষ বেই।

বিশেষ—বিশেষ্য বোবিদ খংদিবা [illegible] অনুবাদ [illegible] বিশেষগী খুদম উচ্চার। মাহদি—ব্রাহ্ম। অমা লমচাওবা চংলি, মচাক্কা [illegible] উবদা মী পুম্নমক্কা নাবু ব্রাহ্মণনি হাঙ্গৈনা খংডি, তৌহ্ংসম, মচাক্কা খোঙদোব-তেংদোবদা নান্তুঙিবনা অমসুং খঙদে, মতম অসিদা মখম অতুদ নীপা অমা লাকলা উনববে, মহারা খংলম্মী ব্রাহ্মণ অসি অথোইবা পণ্ডিত অমনি। মচাক্কা হাউ পুম্নমক্কা খঙহল্লে, "ব্রাহ্মণ অসি পণ্ডিত অমনি"। [illegible] অসিদা ব্রাহ্মণ শব্দ অসি অনুবাদনি, কবিরাজনা হাঙ্গৈ দা নী পুম্নমক্কা নাবু ব্রাহ্মণনি হাঙ্গৈবদু খংডি; পণ্ডিত হায়বসি বিশেষণনি, মবমদ ব্রাহ্মণ মচুক তৌ হাঙ্গৈ মসিবনাসু খংদিনে।

অনুবাদ কহি পাছে বিধেয়-স্থাপন ।
সেই অর্থ কহি শুন শাস্ত্র বিবরণ ॥ ৪

অর্থ :—

অনুবাদনা হাল্লগা, হৌনি বিধেযনা বোনবা ।
মাহুগী অর্থ তানিয়ু শাস্ত্রনা তৌবা ॥ ৪

গৌর-কৃপা টীকা

মতৌ অসুম তৌতুনা "যদদ্বৈতং" শ্লোক অসিদা ব্রহ্ম, আত্মা অমসুং ভগবান্ হায়বা শব্দ অহুম অসি অনুবাদনি হায়নদি অখংবা পোৎনি, অদুগা হকচাংগী মচান, অংশ অমসুং মশক (স্বরূপ) অহুম অসিদি বিধেযনি হায়বদি খঙদনা পাংনি ।

তনুপ্রভা—হকচাংগী মচান ; শোকা য়াওবিবা "তনুভা" শব্দগী অর্থ হকচাংগী মচান, অমসু—(হকচাংগী) ভা (মচান) ।

অংশ—শোকদা য়াওবিবা "অংশবিভব" গী মখুনি ।

স্বরূপ খেন্নদবা মশক বিলাস স্বরূপ । মসি শ্লোকতা য়াওবিবা 'ভগবান' শব্দগী মরমচংনি, ভগবান অসিবু পয়ার ৫ দা 'নারায়ণ' পযার ২ দা "খেন্নদবা মশাগ" পযার ৪৭ দা বিলাসনি হায়রি

৪ । বাক্য অমগী মনুংদা অলঙ্কার শাস্ত্রগী নিয়মদি, অহানবদা অনুবাদ ওইরিবা শব্দ (অনুবাদ) ইগনি, অদুগা মতুংদা বিধেয ওইরিবা শব্দ (খাংদবা পাও) ইগনি, অনুবাদ হায়রিবদা বিধেয় হায়বা তৌনদে —"অনুবাদমনুক্ত্বা তু ন বিধেয়মুদীরয়েৎ" । নিযম অসি খংলগা শ্রীমদ্ভাগবতগী ধর্ম তৌগদবনি । নিযম অসিগী মতুংইন্না 'যদদ্বৈতং' শ্লোকী বিচার তৌবগা উবা ফংই, অহানবা চরণ্ডা (পারেংদা) "ব্রহ্ম" শব্দ হাংলী ইবি, মদুগী মতুংদা মহাক্কী অঙ্গকান্তি (তনুভা) ইনি, মবন অসিনা ব্রহ্ম শব্দনা অনুবাদ ওইবে অনুভানা (হকচাংগী মচান্না) বিধেয় ওইরে । মতৌ অসুম্না অনীশুবা চরণ্ডা (পারেংদা) আত্মা শব্দনা অনুবাদনি, অংশ—শব্দনা বিধেয়নি অমসুং অহুমশুবা চরণ্ডা (পারেংদা) ভগবান শব্দনা অনুবাদনি অদুগা "ষড়ৈশ্বর্যৈঃ পূর্ণঃ" শব্দদা ফোংদোক্লিবা স্বরূপ-শব্দনা বিধেয়নি, মবমদ আত্মা শব্দগী মতুংদা অংশ-শব্দ ইবে অমসুং ভগবান-শব্দগী তুংদা স্বরূপ-শব্দ হায়রে । মতৌ অসিদগী খঙবা উবা, ব্রহ্ম, আত্মা, ভগবান অহুম অসি অখওবা পোৎনি অমসুং হকচাংগী মচান, অংশ, স্বরূপ (মশক) অহুম অসিনা খংত্রিবা পোৎনি ।

মবম অসিনা ব্রহ্ম অসি শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী মচান্নি । অসুম হায়না অর্থ তৌবা শাস্ত্রগী নিয়ম্নি

গৌর-কৃপা টীকা

থাইনগী লাইরিকী অর্থ তৌবা মতমদা নীংশিংবিগদবদি লাইরিক ইবা মতম অহুদা চৎনবগা অহু, মতুগী মতুংইন্না লাইরিক ইবিবা মী অহুনা ইবিবনি, মরম অসিনা গ্রন্থকারগী ভাব পুক্নিং খঙ্বিনীংলবদি মতম অহুগী নিয়ম নীংশিংবিগা রাইগী অর্থ তৌবিগনি। মতম অহুগী নিয়ম নীংশিংবিদ্রবদি তৌবিগদৌরিবা অর্থ অহু গ্রন্থকারগী অর্থগা চুনবরোই। মতম অহুগী শব্দগী অর্থ অহুনা হৌজিককালগী অর্থগা মান্নদবদি গ্রন্থকার (লাইরিক লেংলিবা) না নীংবগা মান্নবরোই। (পযার ৩-৪ দি ঝামট্টনগী লাইরিক্তা য়াওদে।)

পৃথিবীদা লৈরিবা মী পুম্নমক অসিগী মনুংদা কনম কয়া জাতিনা থক্না নীংবগে মাগুন নীংবগে হায়না হংনিবরদি, পাওখুমদা ঃ—

ভারতবর্ষগী মনুংদা মরিং চৎলবা শাবনন্দনাথ [illegible] মসুং মাগা সেবক [illegible] না ইং, মহাপ্রভু মূর্তি পূজা সেবা য়ারমদে। মুসলমান জাতি পাঠান জাতি অসম [illegible] (বক্ষ) নী উঁ।

খৃষ্টীয়ান জাতি (মা খঙৌবা, সাহেব, ইউরোপিয়ান হায়রগা খঙনবা [illegible] (বক্ষ) নীংঙা।

হৌজিক খৃষ্টিয়ান জাতি [illegible] লৈবা [illegible] কোটি [illegible] শ্রীগৌরাঙ্গগী মন্দির (লাকশ) [illegible] শ্রীমন্মহাপ্রভুগী য়াম্না থুপনা লীলারসদু চু[illegible] যেকন চা থদে। [illegible] সেবা [illegible] আমেরিকা-বাসিশিংনা খ্রীষ্টাব্দ ১৯ [illegible] চৎলা। (শ্রী[illegible] ভক্ত-কৈরব-চন্দ্রিকা ১৯ ॥)

শ্রীগৌরাঙ্গ হবুংডানা হিসা [illegible] মীগী [illegible] কৈদৌ য়াম্না [illegible]। মরম অহুন মখোয়সিনা [illegible] হবুংডা [illegible] ফংদে। মঙাক্পুং উবা ফংডী। প্রমাণ্ডি—অমাঙ্কদা [illegible] থাওম অমা থম্দনা লৈবদা মঙাক্তনক উবা ফংডী, মশা [illegible] উবা ফং[illegible] (কাখ দি উবা ফংদে), [illegible] উত্তম চেন্নীয় উবা ফংলে, অহু [illegible] হিসা [illegible] শ্রীগৌরাঙ্গন উবা ফংত; [illegible] অহুনা ভক্তশিংনা হবুংডা মাগী সেবা তৌই।

স্বয়ং-ভগবান্ কৃষ্ণ, কৃষ্ণ পরতত্ত্ব।
পূর্ণজ্ঞান পূর্ণানন্দ পরম মহত্ত্ব ৫

অর্থ :—

কৃষ্ণ, স্বয়ং ভগবানি কৃষ্ণ পরতত্ত্বনি।
জ্ঞান, অনন্দ মপুং ফাবনি মহত্ত্ব পোংনি।৫

গৌর-কৃপা টীকা

৫। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী হায়বা হে কপদা শাস্ত্রগী হায়বরি শ্রীকৃষ্ণগী খণ্ডপ্রবদি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যগী খড়বা [illegible] অতুনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীচৈতন্য ওইদুনা অবতীর্ণ ওইবিবনি।

স্বয় ভগবান পরমকা মরু [illegible] ভাগবত [illegible] কপা, মহাক অদু স্বয় ভগবাননি। শ্রীকৃষ্ণনা স্বয় ভগবাননি, কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ম্। শ্রীভা [illegible]॥" "ঈশ্বর পরমঃ কৃষ্ণঃ সচ্চিদানন্দবিগ্রহঃ। অনাদিরাদির্গোবিন্দঃ সর্বকারণকারণম্॥ ব্রহ্মসংহিতা [illegible]॥" 'কৃষ্ণ [illegible] শক্তি [illegible]॥" ভগবান শব্দনা পরতত্ত্বগী অগল্লবা [illegible]

[illegible] পরতত্ত্ব [illegible] ফাবা—জ্ঞান [illegible] ফাবা, [illegible] 'জ্ঞান [illegible]—সন্দ [illegible]। মহাক অদু [illegible] (নানাগী [illegible]) [illegible] মপু ফবনি—[illegible] ওইরবা [illegible] ফাবা কৌনাযাই। [illegible] মহাক [illegible] (ভগবানগী মপান [illegible]) [illegible] অবাপা [illegible]; অনন্দ [illegible] ওইদুনা [illegible] মপু ফবা জ্ঞান হায়রবদি [illegible] পুংথাবা—[illegible] পোং, বিভূতত্ত্ব, ঐশ্বর্য অমসু [illegible]।

পরতত্ত্ব [illegible] শ্রীকৃষ্ণ [illegible] হায়বা। শ্রীকৃষ্ণদি সচ্চিদানন্দ ঘনবিগ্রহনি; মহাক [illegible], জ্ঞান [illegible] মহাক্না [illegible] মহাক নশা অদু [illegible]।

'নন্দসুত' বলি যারে ভাগবতে গাই ।
সে-ই কৃষ্ণ অবতীর্ণ চৈতন্যগোসাঞি ॥ ৬

অর্থ :—

ভাগবতা মাবু 'নন্দসুত' হায়না বোই ।
কৃষ্ণ অদুনা ওইবরে চৈতন্য গোসাঞি ॥ ৬

গৌর-কৃপা টীকা

৬। নন্দসুত— শ্রীনন্দনিংথৌগী মচা। মহাক স্বয় ভগবান্নি, পুরাণগী মরোক শ্রীমদ্ভাগবতা মহাকপু নন্দসুত হায়না লীলনে। অদুম ওইনা কৃষ্ণ অদুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অদুনা অবতীর্ণ ওইরবা। মসিনা শাস্ত্রগী প্রমাণ।

স্বয়ং ভগবান ওইবা মহাক্কবু করিগী নন্দগী মচা ওইহন লোকপগ ?—অসুম হায়না হংবা যাই, "নন্দগী মচা' হায়বা মসিনা শ্রীনন্দনা নন্দিনীন হায়বা ওইনকরবনীদমক মহাকা নন্দব পোইনি, নন্দব পোইবিগা লৌশিংবা মসিনা মহাক্কা মাক্কা স্বয় ভগবান ওইবা যাবে ?

সুম -শব্দ স্বয় ওইরবা অদুগা মহাক্কা ... । ... অদুগী প্রমাণ শ্রীকৃষ্ণ— শব্দ ... মথন্নি হায়বি, "বাস্য বস' । বসশব্দ অর্থ ... চা ... অনা ... চানা বসি ওইবা ... (বাক্য ... হুতি বস ... বসযতি ... বস ... । চননবা লো (আত্মা) ... শাস্ত্র সি ... ওইবগী ... নহা নবি চানীবগে ? মহাক্কা চানা (চুপ্পা) ... বস ... শাসনগী শান্তনু ... পুরুষোত্তম হায়বি—"কৃষ্ণ ... দমন"। (গী ..., ১৩।৩। দিন্ ধাতুগী অর্থ দি লালা হায়বনি, দৈবগী ... ওইবা যাবা হায়নি। ... পালদগী মহাক ... সি লীলা পুরুষোত্তমনি, মবম অনা অনাদি ... মহাক ... বস চারক্কি (চুপ্পবি)। ... লীলা ... হায়না ... লোইনবা ... খরদি চংদনা যাদে। শ্রীকৃষ্ণনা ... হায়না ... হায়রি নিনা ইবু ঙো মহাক্কী লোইনবা মী ... । ... নাদি কালদগী যা ... হায়বসি ... লাইনা ... । অদুনা লীলগী লোইনবা ইমু -মচুং মথৌ অনাদি লাকনি, শ্রীকৃষ্ণদগী ... মাখোই পূমমক মহাক্কী অংশ নত্রগা শক্তি লাকনি ।

প্রকাশ বিশেষে তেঁহো ধরে তিন নাম ।
ব্রহ্ম, পরমাত্মা, আর পূর্ণ ভগবান্ । ৭

অর্থ :

আবির্ভাব খেন্নবনা মাগী অতম [illegible] মিং ।
ব্রহ্ম পরমাত্মা [illegible] ভগবান [illegible] ॥ ৭

গৌর-কৃপা টীকা

থাক্তিশেংনমক, অনাদি কালদগী শ্রীকৃষ্ণনা [illegible] শক্তি পুথাক্তনা [illegible] লোঈনবা ওইনবা [illegible] লাল। [illegible]। শ্রীকৃষ্ণনা মনাই (দাস্য), মরূপ (সখ্য), মচাদা [illegible] শিনা (বাৎসল্য), মথরাই [illegible] সেবা [illegible] (মধুর) ভাব মথল [illegible] [illegible] মীশিংবু [illegible] লোঈননা ওইদুনা ভ [illegible] মথল মবিগী রস চপ্নি (চার্নি) ।

মচাদা [illegible] রস অত চুআ [illegible] মচা-নপা চ দবা যাদ [illegible] অতুনা শ্রীকৃ [illegible] শক্তিনা [illegible] দি কালদগী [illegible] (নন্দ যশোদা) ওইনা [illegible] পুথোক [illegible] ।

[illegible] না শ্রী [illegible] গোবর্দ্ধন [illegible] প্রেম [illegible] [illegible] হাঈনা [illegible] শ্রীকৃষ্ণন নন্দগী মচা (নন্দন) [illegible] হাঈ [illegible] হাঈগী খুদ ॥

[illegible] আবির্ভাব [illegible] -স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা। [illegible] পৌনিবসি মশা (অঙ্গ) [illegible] (সাযুজ্য) ওইবদা ব্রহ্ম, মথল অমা [illegible] সাইরনবদা [illegible] প্রকাশ ফোংদোকপা (আবির্ভাব) [illegible] পূর্ণ ভগবান, [illegible] শ্রীকৃষ্ণনি। শ্রীকৃষ্ণগী স্বয় মশামক্তা [illegible] আবির্ভাব [illegible] সিদা হাঈবি। পরাব্যোমদা [illegible] ভগবান্নি, তৌইস্তুমসং [illegible] স্বয়ং ভগবান [illegible], শ্রীকৃষ্ণ [illegible] স্বয়ং ভগবান্নি । নারায়ণ [illegible] মহাবি [illegible] নশান্নি ।

ব্রহ্ম- পৃথিবী, থা, [illegible] গ্রহ, থবান্মিচাকনচিংবা উম্নিনা জগৎ অমসুং মসিগী ম্নাংমদা লৈবিবা পেং পূ মক [illegible] মচ কা ওইবা নত্রা। মতোম্দা পুম্নমক অসি লৈবা,

গৌর-কৃপা টীকা

মদুবু বেদ-শাস্ত্রনা ব্রহ্ম হায়না খঙনৈ। (জগৎ অপুণবুম কৌই)। হায়রিবা ব্রহ্ম অসিগী মখোং মথুৎ শাম্মুনা খঙনবা মূর্তি লৈতে। ব্রহ্ম—বৃংহ ধাতুদগী ব্রহ্ম থোকই বৃংহ—ধাতুগী অর্থদি চাওথোকপা ওয়া। ব্রহ্ম—বৃংহ+মন্, ঘে। বৃংহ ধাতুর উত্তর কর্তৃবাচ্যে মন্ প্রত্যয়—যোগে ব্রহ্ম-শব্দ থোকই; মসিগী অর্থনা বৃংহতি বৃংহযতি চ ইতি ব্রহ্ম। মশা মতোমতনা চাওথোকপা ওয়া (বৃংহতি) অমসুং অতোপ্পবুম চাওথ কৃহনবা ঙম (বৃংহয়তি) অদুবু ব্রহ্ম কৌই। শ্রীকৃষ্ণগী মরমচং, মগুণ, লীলামচিংবা থারী শারগা কৃষ্ণবু মশক খঙলমদবা মী অদু খঙলকৃই, কৃষ্ণগী মতৌগুম্না ব্রহ্মগীদি মরমচং মগুণ থারী লৌনীংঙাই লৈতে: মহাক্কী রূপ গুণ-লীলা করি অমত্তা লৈতে। জ্ঞান মার্গ সাধকনা ব্রহ্ম নীংঙি।

পরমাত্মা—অন্তর্যামী। অন্তর্যামী মখল অহুম্নি—১। সমষ্টি ব্রহ্মাণ্ডগী অন্তর্যামী (কারণার্ণবশায়ী সহস্রশীর্ষা পুরুষ); ২। ব্যষ্টি ব্রহ্মাণ্ডগী হায়বদি ব্রহ্মাণ্ডগী অন্তর্যামী (গর্ভোদশায়ী পুরুষ, শুক শিরব) ৩। ব্যষ্টি জীবগী অন্তর্যামী (ক্ষীরোদশায়ী, চতুর্ভুজ পুরুষ। মখোয় পুম্নমক রূপ-গুণ লৈবা ওাক্রুনি মখোয় অসি স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী কাংশ বিভূতিনি (অহানবা মতাংগী শ্লোক ৭—১১ কাপ্পবা যেংবিয়ু)। শ্রীকৃষ্ণগী চিন্ময় শক্তিনি ভোইগুম্নসুং মায়া শক্তিগী থবক্কা লোয়নবা লৈ হায়দুনা মায়াগী থবকশ মাত্তোই, অদুবদি ওইরগা মখোয় পুম্নমক মাগী থাংমদা লৈবনি। মতুংগী পয়ার ১২/১৫ দা যেংবিয়ু। পরমাত্মাসি যোগ মার্গগী সাধকনা নীংঙি।

পূর্ণ ভগবান— জ্ঞান, শক্তি, বলৈশ্বর্যবীর্য্য তেজাংস্য শেষতঃ। ভগবচ্ছব্দবাচ্যানি বিনা হেয়ৈ গুণাদিভিঃ॥ বিষ্ণু পুরাণ॥ জ্ঞান (লৌশিং) শক্তি প ঙ্গল কনবা তেজ হুখং থৌনা অমসুং মিংচং পুম্নমক অসি মপান-নাইদনা লৈবা অদুগা অচম্ব। অত্তোনা গুণ্ণ লৈতবা, অপ্রাকৃত (মায়া শক্তিবা) গুণ্ডি ওমথৈ লৈতনা লৈবা—মহাক অদুবু ভগবান্ কৌই। মতুংগী পয়ার ১৫ ১৬ কী মমুংগী অর্থদা খঙবা ঙমী, পরব্যোমগী মপু ঐশ্বর্য্য হেকা মপুং কাবা নারায়ণবু পয়ার অসিদা মপুং কাবা ভগবান্নি হায়রি মহাক শ্রীকৃষ্ণগী বিলাসকী মশক্তি, মথুৎ মরি পানবনি, শাংবা্মবনি। করি করিগুম্বা কেয়রিক্কা "পূর্ণ ভগবান্"গী মহুত্তা "স্বয়ং ভগবান" হায়না পাবসু ভাবা ক্যংঙি, মাদু ভাব চন্নদে হায়না নীংঙি, মরমদি শ্রীকৃষ্ণতনা স্বয়ং ভগবান্নি; "স্বয়ং ভগবান্নি" হায়না পারাদ মতুংগী পয়ার ১৫-২১ কাওবগা অমসুং শ্লোক্কা মরী লৈনাজে। ঝামটপুরগী লাইরিকসু "পূর্ণ ভগবান" হায়না পানরি। শ্রীকৃষ্ণনা সাইওন, থেম্নবা ভোবা মরম্মা মীং অদুম থোক্কা লৈ: মাদুগী প্রমাণ ওইনা মতুংগী "বদন্তি" নচিংবা শ্লোক্কা থোংদোক্লি।

তথাহি শ্রীমদ্ভাগবতে (১/২/১১)
বদন্তি তত্তত্ত্ববিদস্তত্ত্বং যজ্জ্ঞানমদ্বয়ম
ব্রহ্মেতি পরমাত্মেতি ভগবানিতি শব্দ্যতে॥ ৪

গৌর-কৃপা টিকা

শ্লোক। ৪। অন্বয়। তত্ত্ববিদঃ (তত্ত্ব খঙবা পণ্ডিতশিংনা) তৎ (মহাকপু) [এব] (লেপ্পমক) তত্ত্বং (তত্ত্ব—অথোইবা পোৎ) বদন্তি (হাঈনৈ), যৎ (মচু) অদ্বয়ং (অনিশুদবা) জ্ঞানং (জ্ঞান) [তচ্চ] (অচুম ওইবা অনিশুদবা জ্ঞান তত্ত্ব) ব্রহ্ম ইতি (ব্রহ্ম হাঈনা) পরমাত্মা ইতি (পরমাত্মা হাঈনা) ভগবান ইতি (ভগবান হাঈনা) শব্দতে (হাঈনৈ)

অনুবাদ। অনি শুদবা জ্ঞানবু, তত্ত্ব খঙবা পণ্ডিতশিংনা তত্ত্ব কৌই। তত্ত্ব অচুবু ব্রহ্ম, পরমাত্মা অমসুং ভগবান— মিং অহুম খোক্না খঙনৈ। ৪।

তত্ত্ব—য়াম্না লুংঙাইবগী মশক ওইবা, খ্বাইদগী অথোইবা অরেপ্পা পোৎ। তত্ত্ববিৎ—তত্ত্ব খঙবা, খ্বাইদগী অথোইবা অরেপ্পা পোৎ মশক খঙবা মীবু তত্ত্ববিৎ কৌই। তত্ত্ববিৎ-শিংনা অনিশুদবা জ্ঞানবু তত্ত্বনম্ব কৌই। জ্ঞান—লৌশিং, অখাঙবগী মশক ওইবা, খঙদবগী (মায়াগী) শরুক য়াওদ্রবা, সচ্চিদানন্দ বস্তু ওইবা, বাখল্গী পোৎ। জ্ঞান শব্দনা বাখলগী পোৎ (চিদেক রূপ) খঙনৈ, মতুদা লৈরিবা শক্তি অচুম্ব চিচ্ছক্তিনি, মায়াগী শক্তি য়াওদে। অদ্বয়—অনিশুদবা, একমেবা দ্বিতীয়ম ; খেন্নবা লৈতবা। খেন্নবা হাঈবা অসি মখল অহুম খোক্না থায়রি—জাতি (শাগৈ) অমতদা (মসুংদা) খেন্নব, জাতি (শাগৈ) মতুবদা খেন্নবা অমসুং ইশাদা খেন্নবা অহুম অসিনী তাৎ অমত্তগী পোৎ অমু য়াম্না লৈরবদি শাগৈ মসুংদা (জাতি মসুংদা) খেন্নবা লাকই, মতুদি তোম্বা অমসুং চাওবা মখোঈ অনি অসি মী ওক্তনি, মী ওইবা জাতি অমতগী মসু নেবান ; মখোঈ অনি অং মান্নে হাঈত্তনা শাগৈ মসুংদা খেন্নবা কৌই। শাগৈ মসুংদা খেন্নবা লৈতবা অসিবু খেন্নবা লৈতবা কৌই। জ্ঞান হাঈবাস বাখল লৌশিংগী পোৎনি, চিদ্‌বস্তুনি ; চিদ্‌বস্তু অসিনা অমদগী হেন্না লৈরগা খেন্নবা লাকই। জৌইগুমসুং খেন্নবা লৈরবসু অতোপ-অতোপ্পা চিদ্‌বস্তুশিং অমু মরুদদি অমত্তদগী থোরকপনি, অমুনা শাগৈগী (জাতিগী মরমদদি খেন্নবা লৈত্তে—মচা ঈবসি মপাগী অংশনি হাঈবদি মপাদগী থোরকপনি, মরম অমুনা মচাগা মপাগা জাতিগী বাখল্লা তোঙানবা নত্তে। করিগুম্বা স্বয়ংসিদ্ধ ওইবা চিদ্‌বস্তুনা অমদগী হেন্না লৈবা পোক্লবদি জাতিগী (শাগৈগী) মসুংদা খেন্নবা লাকপা য়াই। শাগৈগী মসুংদা ‘খেন্নব’ লৈত্রবা পোৎ অমু—মাগা মান্নবা স্বয়ংসিদ্ধ ওইবা অতোপ্পা করিগুম্বা চিদ্‌বস্তু লৈত্রে ; চিদ্‌বস্তু হাঈবা অদি অমদগী হেন্না য়াম্না লৈবা

গৌর-কৃপা টীকা

য়াই, তৌইগুম্বসুং মরাম অদুদি অমতসু স্বয়ংসিদ্ধ নত্তে, মখোঈ খুদিংমক মখোঈ মশাগী ফননবগীদমক আনিগুদবা জ্ঞান অদুবু নীংদুনা লৈ। অদুগা অতোপ-অতোপ্পা জাৎকী পোৎশিং অদুবু জাতি (শাগৈ) নত্তবদা খেন্নবা কৌই—মদুদি উগী জাৎকা মীগী জাৎকা জাৎ অনি আস খেন্নে। জ্ঞানগী জাৎ (কাংলুপ) নত্তবা পোৎ করিনো ? জ্ঞান হায়বসিদি চিৎ-জাতিগী পোৎনি, চিৎ জাতিগী পোৎপু নত্রবদি হায়বদি বাখল, জ্ঞানগী পোৎপু নত্রবদি প্রাকৃত (অচম্বা নায়া) গী পোৎ ওইরে, প্রাকৃত, জড় (শিবা নাইবা অচম্বা মায়াগী) পোৎ মখৈ জ্ঞানগী জাতিগী তোংডানবানি, জ্ঞানগী শাগৈ নত্তবনি, শাগৈ নত্তবা পোৎ অসিনা স্বয়ংসিদ্ধ নত্তদুনা মশাগী ফননবগীদমক অদুম ওইবা জ্ঞান অদু ডাইদুনা লৈরবদি শাগৈ নত্তবা পোৎ অদুসু জ্ঞানগা শাগৈ নত্তবগী মরমদা খেন্নবা লৈররোই, অদুগা শাগৈ নত্তবা পোৎ অদুনা স্বয়ংসিদ্ধ ওইদুনা জ্ঞানবু নীংশিংবা (ডাইবা) লৈত্রবদি জ্ঞানগা শাগৈ নত্তবগী খেন্নবা লৈগনি জ্ঞান অদুনা শাগৈগী মমুংদা স্বয়ংসিদ্ধ ওইবা, শাগৈগী মপান্দা স্বয়ংসিদ্ধ ওইবা অমুম হায়না অনি খোক্কা থাইদোক্লবদি মদুবু অদ্বয়-জ্ঞান (অনিগুদবা জ্ঞান) কৌই। জ্ঞান হায়বা পোৎ অসিদা করিগুম্বা মতমদা মশাগী মমুংদা খেন্নবা থাইদোক্লনা থম্বা য়াদে। মশা মমুংদা হায়বগী অর্থদি হকচাং মমুংদা পোৎচং কয়ামুক্কা তিন্নদুনা ওইখিবা পোৎ অদু পোৎচং মায়দবনা খেন্নবনা মশা মমুংদসু খেন্নবা লৈবা য়াই। মদুদি মলান অমগী মশাদা চংলিবা পোৎচংদি চেক, সুম্ম, য়োং, উ, অসিনচিংবা চংডি, পোৎচং পুম্নমক অসি অমগা অমগা মায়দে, অসিগুম্বা মায়দবা খেন্নবা অসিবু মশা মমুংদা খেন্নবা কৌই। পোৎচং খেন্নবা অসিনা মমুংগী শক্তিসু মায়কম খোক্কে, য়োং লৈবা মফমদা য়াম্মা কনবা অদুগা উ লৈবা মফমদা থম্মা শোনবা হৌনৈ। জীবগী মতৌগুম্ব জ্ঞান কৌবা পোৎ অসিদা হকচাং হকচাংগী মপু (দেহ-দেহি) অমুম্মা থায়বা লৈতে, জীবগী হকচাংদ অরেম্মা লেতবা মায়ানি (শিবা নাইবানি জড়ন)—(অচিংনি), তৌইগুম্বসু জীবগী মশক্তি চিদবস্তুন (অরেম্মা জ্ঞানি), মনম অদুনা জীবদা হকচাং-হকচাংগী মপু দেহ-দেহি অমুম্মা মশা মমুংদা খেন্নবা লৈ, তৌইগুম্বসুং জ্ঞান কৌবা পোৎ অসিদা হকচাং-হকচাংগী মপু (দেহ-দেহি) অমুম্মা খেন্নবা লৈবা য়াদে। অদুগা জীবগী হকচাংসু লৈবাক, ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ, অকাশ-পোৎচং মঙা অসি চংডি, মিৎ-নাকোংনচিংবা ইন্দ্রি মঙা অসিগী শক্তিসু খেন্নে মায়দে, মিৎকী শক্তিনা উবনবগী পাঙ্গল লৈ, অদুগা তানবগী পাঙ্গলদি লৈতে, নাকোংনা তাবা ঙংডি, উবদি ঙংদে অসিনচিংবা। পুম্নমক অসি মশা মমুংদা খেন্নবননি। চিংকী মশক ওইবা জ্ঞানদি পোৎচং লৈতে হায়দুনা মশা মমুংদা খেন্নবা লৈতে, অদুনা জ্ঞানগী অশ খুদিংমক অতোপ্পা অংশ খুদিংমকী থবক তৌবা ঙম্মী, মরম অসিদগী ব্রহ্মসংহিতাদা হায়রি "অঙ্গানি যস্য সকলেন্দ্রিয়বৃত্তিমন্তি। ৫।৩২॥"

তাঁহার অঙ্গের শুদ্ধ কিরণমণ্ডল
উপনিষদ্ কহে তারে ব্রহ্ম সুনির্ম্মল ॥৮

অর্থ :—

মহাক্কী হকচাংগী মায়া লৈরবা মঙানবু।
উপনিষদ্‌না ব্রহ্মনি হাইনরি মাহুবু ॥৮

গৌর-কৃপা টীকা

মাসিনা খঙনরিবাদ জ্ঞান হায়বা পোংশক অসিগী মকনদা মশা মথুংদা থেম্ববা থমদে, স্বয়ং সদ্ধ শ দৈগী মথু দ থেম্ববা থমদে অনন্থুং স্বয়ংসিদ্ধ বিজাত (শাগৈ নত্তবা) গী থেম্ববা থমদে। মতৌ অসুম ত‍াবা জ্ঞান অসিবু অনিশুদবা (অদ্বয়) জ্ঞান কৌই। তত্ত্ব খঙবা পণ্ডিত-শিংনা অনিশুদবা জ্ঞান অসিবু বস্তু নত্রগা মুংঙাইবগী মশক ওইব পোংদনি হায়ই্না শ্রীকৃষ্ণবু অনিশুদবা জ্ঞান স্বনি, অনিশুদবা জ্ঞান তত্ত্ববস্তু অসি শ্রীকৃষ্ণগী মশক্কি হাইনৈ।১২৫৩॥"

অসুম ওইবা অনিশুদবা জ্ঞান-বস্তু অসিনা করিগুম্বা মফমদা ব্রহ্ম, করিগুম্বা মফমদা পরমাত্মা অমসুং করিগুম্বা মফমদা ভগবান হাইনা খঙনৈ। মী অমত্তগী মমিং অসুম শুবদৌনা তৌবা নত্তে। সাইওন খুদংগী মিং তোঙান-তোঙানী। খুমদি ঈশিং, লিক্লা, উন—অসুম অসি ঈশিংগী তোঙান্-তোঙান্বা মওংনি। অহুমগুমহুনা ব্রহ্ম, পরমাত্মা অমসুং ভগবান অসি মাসমু অনিশুদব জ্ঞান-তত্ত্বগী মমিং নত্তে,

অনিশুদবা জ্ঞান-তত্ত্বনা তাপ্ন-তাপ্না আবির্ভাব তৌবগী মমিংনি জ্ঞানা মরু ওইনা অবির্ভাব ওইনা মতমদা শক্তিগী বিলাস উৎপন্নতৌগী মতম অহুবু ব্রহ্ম কৌই। জ্ঞানা মরু ওইনা কোদোক্রবা, শক্তিসু খরা কোংদোক্রবা (মপুংদি কাদ্রব) অহুগা শাগৈ নত্তবা মায়া শক্তিগা পুন্নগী মতম অহুদা মচাক্কী মায়ং পরমাত্মা কৌই। অহুগা সত্তা, শক্তি মপুং ফানা কোংদোক্রবা অমসুং শাগৈ নত্তবা মায়া শক্তিগমসু মরী লৈনত্রবা মতম অহুদা ঈবুংঙো নাগী নাম ভগবান কৌই। পোক অসিগী 'ভগবান' হাইবা বাহৈ অসিনা স্বয়ং ভগবান অমসুং পরব্যোমদা লৈরিবা শ্রীনারায়ণ রাম-নৃসিংহনচিংবা অনন্ত (কয়োইবা লৈত্তবা) ভগবংকী মশকপুম্ন খঙনবা য়াই।

ব্রহ্ম, পরমাত্ম অমসুং ভগবান্ বাহৈ অহুম অসিগী খুদিংমক্না অনিশুদবা জ্ঞান বস্তু শ্রীকৃষ্ণবু খঙনৈদি হাইববু মথু গী ওইবা অর্থদি শ্রীকৃষ্ণগী সাইওনবু (আবির্ভাবপু) খঙনৈ। ২।২৪।৫৯।"

৮। ব্রহ্মগী মশক হাইজরি। মহাক্কী হকচাংগী—শ্রীকৃষ্ণগী নত্রগা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী হকচাংগী। মায়া লৈবা-নী থিজরবা, মায়াগী অমোংপা য়াওত্রবা, অপ্রাকৃত; চিন্ময়।

গৌর-কৃপা টীকা

মতানবু—অহংবা মশেকপু। আকাশকী মুমিংতি প্রাকৃত (অচম্বা) বস্তুনি, মাগী মতানসু অচম্বনি, তৌইশুবনুং শ্রীকৃষ্ণদি অপ্রাকৃত চিদ্‌বস্তু (চম্‌দবা) নি, মরম অদুনা মীগী মতানসু চম্‌দবনি চিন্ময়নি।

উপনিষদ,—শ্রুতি ; অবেপ্পা মন্ত্র ওইবা, শোইত্রবা খঙহনবা শাস্ত্র। শ্রুতি মখল অনি ওই, মাহুদি—মূর্ত্তি পান্দবা ব্রহ্মগী মরম্ ইবা শ্রুতি অমসুং মূর্ত্তি পানবা ব্রহ্মাগী মরম ইবা শ্রুতি। পয়ার অসিদা মূর্ত্তি পান্দবা ব্রহ্মবু খঙনবা উপনিষদনা তাক্লি। জ্ঞান মার্গ চংপা মীশিংনা অসিগুম্বা শ্রুতিবু থাজনুনা চংলি। মাহুবু—শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী চিন্ময় ওইবা মতানবু।

উপনিষদনা হায়নরি—মূর্ত্তি পান্দবা ব্রহ্মবু তাক্লিবা শ্রুতি-শাস্ত্র অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী মতানবু ব্রহ্ম কৌই হায়নরি। (নির্ব্বিশেষ—শক্তি চংনরিব—মূর্ত্তি পান্দবা ব্রহ্মবু নীংলিবা) অদ্বৈতবাদীশিংনা ব্রহ্মনি হায়না খঙনরিবা অদু, মহাকী মশক্তি শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী মতানি। শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী মতান্দি চিন্ময়নি অমসুং মায়াগী বাংমনি হায়দুনা অদ্বৈতবাদীশিংগী ব্রহ্ম অদুসু চিন্ময়নি অমসুং মায়াগী বাংমনি।

স্বয়ং ওইবা মূর্ত্তিনা শ্রীকৃষ্ণনি, নারায়ণ চিংবা অসিনা মতমগী পুথোকপা মূর্ত্তিনি, অদুগা ব্রহ্মনা মহাক্ মূর্ত্তি লৈতবা মতাননি। এথেংনা খঙতি, মুমিং অসি কোইরম-কোইবা পোং অমনি, তৌইশুবনুং মাগী মতান্দি মওং নাইদে। মওং নাইদবা ব্রহ্মনা মুমিংকী মতান মুংশাগা চাংদম্নবা য়াই অমসুং মওং লৈবা কৃষ্ণগা মুমংকা চাংদম্নবা য়াই, অদুমদি চাংদম্নরগা মুংশাগুম্বা ব্রহ্ম অসি কৃষ্ণগী থংলোংশংবা মতানমখক্তা নত্তে, ব্রহ্মগী মওং লৈতে হায়বগী মরমদা প্রমাণ পৌরকতনি।

শংগোম চাজবা মী অমনা অরাপ্পা মফমদা শংগোম লেবা উই, শোক্‌পসু ফংদে, মহাওসু তংদ্রি, অদুনা মহাক্না খঙবা অসি শংগোম অদু উই হায়বদি মখক্তং, অদুগী মরমদদি কবিসু খঙবা খঙদে ; কনাগুম্বনা শংগোম অসি য়াম্না হাংবা হায়রবসু মখক্তা থাজফম থোক্কে। শংগোম চাবা মী অদুগুম্বা হাওং 'থুন্নী' মহিলাংবা পোংদা হায়বা খঙবা ওয়ী। শ্রীকৃষ্ণবু মশক খঙবগী মরমদসু মকোী অদুগুম্বনি। মানা মনা থাওংগী মতুংইন্না খঙবতনি, চাং হেন্দ্রিন্না খঙবদি ওমদে। অহানবা মতাংগী শ্লোক ২৬ তা হায়ব্রে, মাহা ভক্তি মার্গনা জ্ঞান মার্গ যোগ মার্গদগী নীথিনা কজনা খঙবা হেন্নী। জ্ঞান মার্গগী অদ্বৈতবাদিশিংনা অনিতুদবা জ্ঞানতত্ত্ব বস্তু শ্রীকৃষ্ণগী মওং নাইদবা মতানবুতা খঙঙী (নীংঙি) ; মথোইনা খঙজবিবা পোং অদুতনা থাইদগী অথাইবা পোং (পরতত্ত্ব) ওইরবোই

চর্ম্মচক্ষে দেখে যৈছে সূর্য্য নির্ব্বিশেষ ।
জ্ঞানমার্গে লৈতে নারে কৃষ্ণে বিশেষ ॥ ৯

অর্থ :—

মী অচম্বনা মুমিৎপু মূর্ত্তি য়াওদনা উই ॥
জ্ঞানমার্গশিংনা কৃষ্ণবু মূর্ত্তি য়াওদনা উই ॥ ৯

গৌর-কৃপা টীকা

নীংথি । মরম অদুনা মখোঙ্গীনা হায়রি, মওং নাইদবা মতম্গী মশক ওইবা ব্রহ্মতনা পরতত্ত্বনি । থাজৈশেংবদি মওং নাইদবা ব্রহ্মনা পরতত্ত্ব নত্তে । ভক্তি মার্গ চৎপা মীনা থজলীবদি—অনিশুবা জ্ঞানগী অরোইবা শরুক্তা ব্রহ্মদা কোংদোক্তে, কোংদোক্লিবা মকমদি শ্রীকৃষ্ণদনি, মরম অদুনা—শ্রীকৃষ্ণতনা পরতত্ত্বনি । পয়ার অসি "যদদ্বৈতং ব্রহ্মোপনিষদি তদপ্যস্য তনুভা" শরুক থরা অসিগী অর্থনি ।

৯ । জ্ঞানমার্গ চৎপা মীশংনা অনি শুরবা জ্ঞান-তত্ত্বগী থাজৈশেংবা অর্থ খঙ্বা ঙমদে, সুমিৎতা প্রমাণ তৌদুনা উচ্চর সূর্য্যলোক্তা লৈবা লাইশিংনা সুমিৎকী মনাক্ য়াম্না নক্না লৈ । মখোঙ্গীনা সুমিৎকী মখোং-মথুৎনচিংবা মওং পুম্নমক নীংথিনা উবা ফংই । তৌইশুম্নমং সুমিৎতগী য়াম্না লাপ্না লৈরবা পৃথিবীদগী ঐখোইনা সুমিৎকী মখোং-মথুং লৈবা অদু উবা ফংদে—অদুনা ঐখোইনা নীংথি, সুমিং হাইবসিদি মচানগী মতুম অমনি—মখোং-মথুং পান্দুনা মওং নাইবা পোৎ নাত্তে । "যথা মাংসময়ী দৃষ্টিঃ সূর্য্যমণ্ডলং প্রকাশমাত্রত্বেন গৃহ্ণাতি । দিব্যাতু প্রকাশমাত্র স্বরূপত্বেহপি তদন্তর্গতদিব্যসভাদিকং গৃহ্ণাতি । এবমত্র ভক্তেরেব সম্যক্ত্বেন তয়ৈব সম্যক্ত্বং দর্শ্যতে । যচ্চ ভগবানেবেতি তস্যৈব সম্যগ্‌রূপত্বং জ্ঞানস্য তু অসম্যকত্বে দর্শিতত্বাত্তেনাসমগেব দৃশ্যতে তচ্চ ব্রহ্মেতি তস্য সম্যগরূপত্বম্ ভগবৎসন্দর্ভ ॥"

মিংশেলনা কোঙ্শিনবা থাওমৈ (মিংশেন থাওমৈ=কাচ গোলোক) অমা অরাপ্পদা ঐখোঙ্গীনা উবা মতমদা কোইশিল্লিবা মিংশেন (কাচ-গোলোক) অদু উবা ফংদে, থাওমৈ মখোং নত্রগা কোম্ফু মৈ অদুগী মতোন্দা কাবৎলকপা মৈথু ভেজালী (শিখা) অদুমক উবা ফংই । তৌইশুম্নমং থাওমৈ অদুগী মনাক্ য়াম্না নক্না চংশিন্দুনা য়েংলবদি থাওমৈ অদুবু কোইশিল্লিবা মিংশেন (চেম্না কাচ-গোলোক) কোম্ফু মৈ মতোন্দা কাবৎলক্লিব মৈথু ভেজালী (কাজল, কালিখ) নচিংবা পুম্নমক উবা ফংই । মতৌ অমুম্না লৈকম্ থোরবগী মতুংইন্না—

গৌর-কৃপা টীকা

থাওয়ৈ অমত্তনা অতোপ-অতোপ্পা মীনা ওতোপ-মতোপ্পা মওং ওইনা উহল্লি। ঈশ্বর খণ্ডবগী (উবগী) মরমদগী মসি অসিগুম্বনি। জ্ঞান মার্গ চৎপা মীশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু মওং নাইদবা মশক ওইনা উই—মওং -াইবা ওইনা (মখোং-মখুৎ পান্ দবা ওইনা) উবা ঙমদে। অদুগা যোগ মার্গ চৎপা মীশিংনা মহাকপু অনি ওন্নবা জ্ঞান ওম্বগী পরমাত্মাগী মশক ওইনা খঙ্ডি অমসুং ভক্তি মার্গ চৎপা মীশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু ভগোং-ভংশংনা খঙ্বা ঙম্মী। বাধন থেমবগী (লাইনীং থেমবগী, উপাসনা থেমবগী) মতুংইন্না ভাব তাবা খঙবগী থৌরম।

নীংবা থেমবগী মতুংইন্না খঙবা থেমবিবগী মরমদি অসিনি। জীবনা মাল্লা কল্লা হোৎনজনবগী জগৎপু হেক খঙবা ঙমদে। ইবুংঙো মহাক্কী কৃপা তৌবিরগতা খঙবা ঙম্মীবনি। শ্রুতিনসু অসুম্না হায়রি, "নায়মাত্মা প্রবচনেন লভ্যো ন মেধয়া ন বহুনা শ্রুতেন। যমেবৈষ বৃণুতে তেন লভ্য স্তস্যৈষ আত্মা বৃণুতে তনুং স্বাম্॥ কঠোপনিষৎ ।২।২৩॥" শ্রীভগবান্না কৃপা তৌবিবা (থুংশিনবিবা) মী অদুখতনা মহাকপু খঙবা ঙমহল্লী অমসুং করম্না শক্তি তৌরগা মহাকপু খঙবা ঙমগদগে হায়বা শক্তি অদুসু মহাক্না খঙহল্লী; ইবুংঙো মহাক্কী শক্তি নত্তনা কনা অমত্তনা মাবু খঙবা ঙমদে। "নিত্যাব্যক্তোঽপি ভগবান ঈক্ষ্যতে নিজশক্তিতঃ তমৃতে পরমাত্মানং কঃ পশ্যেত মিতং প্রভুম ॥ লঘু ভাঃ ৪২২ ॥"

সাধক (পাংজরিবা মী অদুন) হোৎনজবা হায়বদি সাধন তৌবা অদুনা ভগবৎ খঙ্নবগী মরম নত্রাসু হোৎনজবা অদু (সাধন তৌবা অদু) থাদংকপা (থৌশ দব) য়াদে, হোৎনজবগী পাম্না জীবগী থমোই অদু ভগবানবু খঙবা ঙম্নবগী শক্তি ফংলকই; মরম অসিনা সাধনবু (হোৎনববু) ভগবান খঙবা ঙম্নবগী মরম অপৌবা অয়াং কৌবা য়াই। সাধন তৌবনা, সাধকী (হোৎনজরিবা মী অদুগী) থমো বু ভগবান্ খঙব ঙম্নবগী মতিক চাহন্ বগা লোয়নন-লায়ননা খঙবা ঙম্নবগী অংকপা, অংম্নবা শক্তি ফংলী, মী অদুনা পাংজবগী মতুংইন্না ভগবানবু নীংজবা অদু, সাধন অদুনা, সাধকী ভাব নীংজবা অদু থুংহল্লী হায়বদি মান মানা নীংজবা মওং (মর্তি) অদুগী মতুং ইন্না শ্রীভগবান্না সাধক অদুবু উহল্লী, খঙহল্লী। গীতাদা শ্রীভগবান্না অসুম্না হায়খি—"যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাংস্তথৈব ভজাম্যহম্ ৪।১১॥" জ্ঞান মার্গনা নীংবা মীনা মওং (মর্তি) নংহনবা ব্রহ্মভূতঃ বাধন্ তৌদুনা নীংঙি; অদুনা মখোয়না মূর্তি উবা ফংদে, মখোয়দি মখোয়গী মূর্তিগী বাধন, তৌদে। মন্তৌ অসুম্না যোগ মার্গনা নীংবা মীশিংনা পরমাত্মাবুসু—মখণ্ডিও অমসুং ভক্তিমার্গনা নীংবা মীশিংনা ইবুংঙো মহাক্কী থাজৈশংবা মশক অদু খঙ্জবা ঙম্মী।

মীচম—শ্রীকৃষ্ণগী কৃপা লৈত্রিবা মীনা (পাপকী মিৎনা)। মুমিৎপু মত্তি য়াওদনা—থোং-থুং য়াওদনা মতানগী মতুম ওইনা।

তথাহি ব্রহ্ম সংহিতায়াম (৫।৪০)

যস্য প্রভা প্রভবতো জগদণ্ডকোটি কোটীষশেষ-বসুধাদিবিভূতিভিন্নম।
তদব্রহ্ম নিষ্কলমনন্তমশেষ ভূতং গোবিন্দমাদি পুরুষং তমহং ভজামি ॥৫॥

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লো ৫ অন্বয়। জগদণ্ড কোটি কোটিষু (কোটি কোটি ব্রহ্মাণ্ডদা) অশেষ-বসুধাদি বিভূতিভিন্নং (মশিং থীবদা অরোইবা লৈতবা) য়ামথ্রবা) পৃথিবীনচিংবগী মশক ওইহনা খেন্নরে) নিষ্কলং (মপুং ফাবা) অনন্তং (মকম থুদিংদা লৈবা) অশেষ ভূতং (মদু ওইবা ভূত) [যৎ] (অদুম ওইবা) ব্রহ্ম (ব্রহ্ম) তৎ (ব্রহ্ম অদু) প্রভবতঃ (মশুগ চাউরবা) যস্য (ইবুংঙো মহাক্কী) প্রভা (মঙাল), তং (অদুম ওইবা) আদি পুরুষং (অহানবা নীপা, ব্রহ্মগীসু মরু) গোবিন্দং (গোবিন্দবু অহং (ঐনা) ভজামি (নীংজরি)।

অনুবাদ। ইবুংঙো মহাক্কা অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ডদা, অনন্ত পৃথিবীনচিংবগী মশক ওইহনা খেন্নরে, অদুম ওইবা মপুং ফাবা মকম থুদিংদা লৈবা মরু ওইবা ভূত ব্রহ্ম অদু—মশুগ চাউরবা ইবুংঙো মহাক্কী মঙাল, ঐনা অদুম ওইবা অহানবা নীপা শ্রীগোবিন্দ ইবুংঙোবু নীংজরি ৫॥ জগদণ্ড—ব্রহ্মাণ্ড জগদণ্ড কোটি কোটিষু মশি থীবা ঙমদবা ব্রহ্মাণ্ডদা। ব্রহ্মাণ্ড অসি মশি থীবা ঙমদ য়াম্না লৈ, মাদুগী ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদা। অশেষ বসুধাদি— মশিং থীবদা লোইবা নাইত্রবা পৃথিবীনচিংবা, ভূর্ভুবঃ স্বঃ অসিনচিংবা লোক। বিভূতি— শ্রীভগবানগী বিভূতি, পৃথিবী, মুংশিং, আকাশ, ঈশিং, মহাল, অহঙ্কার, মহত্তত্ত্ব, মঙং তন্মাত্রক (হাঙৈবদি লৈবাক ঈশিং-মৈ-মুংশিং-আকাশ মহাভূত মঙা, জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙা অমসুং কর্ম্মেন্দ্রিয় মঙ) পুরুষ, প্রকৃতি (অব্যক্ত), সত্ত্ব রজঃ তমঃ, ব্রহ্মা অসিনচি বা অসিনা ব্রহ্মাণ্ডদা শ্রীভগবানগী বিভূতি ওই (মশক ওই)। "পৃথিবী বায়ুরাকাশমাপো জ্যোতিরহং মহান বিকারঃ পুরুষোঽব্যক্তং রজঃ সত্ত্বং তমঃ পরম শ্রীভা ১১।১৬।৩৭॥" ভিন্নং (খেন্নরে। অশেষ বসুধাদি বিভূতি-ভিন্ন ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদা পৃথিবীনচিংবা লোক য়াম্না লৈ, মাগী অসুম্না মশিং থীবদ লোইবা নাইত্রবা হাঙৈবদি অনন্ত-কোটি ব্রহ্মাণ্ডদা অনন্ত কোটি পৃথিবীনচিংবা লোক লৈ, ময়াম অদুগী লোক খুদিংদা মুংশিং আকাশ, ঈশিং অসিনচিংবা শ্রীভগবানগী অনন্ত বিভূতি (মশক) লৈ মশিং থীবা ঙমদবা মশক (বিভূতি) পুম্নমক অসিনা মশিং থীবা ঙমদবা মশক মঙং ওইহনা ইমান মায়দনা লৈয়রে (খেন্নরে) (ব্রহ্ম অসিনা)। জগৎপু শেম্বিরিবা মপা (নিমিত্ত-কারণ) অমসুং উপাদান-কারণ (মচাক), অনিমক ব্রহ্ম অসিনা ওইবনি, ব্রহ্মনা কারণ ওই অমসুং পৃথিবী মুংশিং আকাশনচিংবা অসি মহাক্কী মশিং থীব ঙমদ্রবা থবক চাত্পনি ব্রহ্মনা অমতা ওইরবসু অনন্ত ব্রহ্মাণ্ডদা মশিং থীবা ঙমদবা থবক ওইহনা অনন্ত প্রকার ওইনা থাইদোকখ্রে।

গৌর-কৃপা টীকা

হাকুং অমা লাবপা যারে, মকম অসিদা ব্রহ্মাবু জগৎকী কারণনি (মপা) হাইখরে অমসুং শ্লোক অসিদা অমুক শ্রীগোবিন্দগী মতাংনি হায়রে ; অদু ওইরবদি শ্রীগোবিন্দগী মতাংমা জগৎকী কারণ (মপা) ওইবা তারে ; মতান অসিনা অনন্তবিভূতি (মখক) ওইদুনা তোপ্প-তোপ্পা (খেন্না) লৈবা তারে। শ্রুতিনা হাইরি, শ্রীগোবিন্দনা মশিং য়াম্না ওইগে হাইনা নীংলম্মী ; "সোঽকাময়ত বহু স্যাম। তৈ,উ ২। ৬॥" হাখল অসিদগী সৃষ্টি লাকপনি, মরম অসিনা শ্রীগোবিন্দনা জগৎকী কারণনি (মপানি)। ব্রহ্ম-সংহিতাদসু অসুম্না হায়রি। "ঈশ্বরঃ পরমঃ কৃষ্ণঃ সচ্চিদানন্দবিগ্রহঃ অনাদিরাদিগোবিন্দঃ সর্ব্বকারণ-কারণম্॥" তৌইঅমসুং মহাকী মতাংদি মপা (কারণ) ওই হাইবগী বাদি তাদে। তাদবা অসিনা ব্রহ্মাবু জগকী কারণ (মপা) ওই হাইরুরিবা করিগীনো? মাসিগী পাওখুমদি শ্রীজীব গোস্বামী চরনা হাই, "প্রভোঃ প্রভৈব কার্য্যানিষ্পাদিকেতি বিবক্ষয়া তত্ত্বক্তিরিতি, তৎপ্রভবৈব, স্কন্দে প্রকৃতি জগদ্গুণা। সংকৃত্যর্থ :- শ্রীগোবিন্দগী মতাংনা লবক পাংথোক্ই—হাইবসি কোংদোক্ক কী-দমক মতাংনি লাইক হাবা ব্রহ্মাবু জগৎকী মপা (কারণ) ওই হাইরবনি। সৃষ্টিগী অহানবদা শ্রীগোবিন্দগী মতান উনদা প্রকৃতিগী পুক্রিং লাংতেক্নবন্মী অমসুং অনন্ত কোটি জগৎ পুংথাক্লকৈ, পাংজ লৈখি। মরম অসিনা মতান অমদ ব্রহ্মানা জগৎকী লকুবা মপানি (কারণী)।"

শ্লোক অসিদা ঈশ্বরনা ব্রহ্ম অসিদি কেবলাদ্বৈতবাদীশিংনা লৌখিব ব্রহ্ম অদু নত্তে। শ্লোকতা হাইরবা ব্রহ্ম অসিনি সৃষ্টিগী কারণনি ; অদুগা কেবলাদ্বৈতবাদীশিংগী ব্রহ্মনি সৃষ্টিগী কারণ ওইবা ঙম্দে। মরমদি, শক্তি লেতে হাইদুনা মহাকী থাবকপা ঙমগী লাক্ত লৈতে, অদুন থাবকপা ঙমজবদি অহকপনা থবা জগৎ অসি শেম্ব ঙমদে আদিপুরুষ — মহাক্কী মহাসমব, পুরুষকী মথ (মরম অদুনা লক্ষ্মীনি মথ), মাওোন্দগী হানবা অমসুং মথ কমা অমতা লৈতে। গোবিন্দ—শ্রীকৃষ্ণ, গোপগী ফিজেৎ লোনবা বেন্ন হাইবা শ্রীব্রজেন্দ্রগী মচা।

শ্লোক অসি সৃষ্টি কর্ত্তা ব্রহ্মানা হাইবনি ; শ্রীগোবিন্দগী মহিমা মগুণ শিংতা-শিংদানা মানা হাইলম্মী—"অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ডদা অনন্ত কোটি পৃথিবীনচিংবা লৈবাক (লোক) লৈ, লেংক পুদিংমক্কা মপুংশিং, আকাশনচিংবগী মখক লৌদুনা ভগবানগী অনন্ত বিভূতি (মখক) না থাম্দুনা লৈ ; পৃথিবীনচিংনসু মহাকী বিভূতিনা মপু লাবা অমসুং মকম খুদিংদা শিন্দুনা লৈরিবা ব্রহ্মানা জগৎনচিংবা অশেম্বা পোংকী কারণ (মপানি) ; মহাক্কা কারণ (মপা) ওইনা অমত্তা ওইরবসু মশা নাইদবা খবক ওইদুনা খেন্নরবে।

কোটি-কোটি ব্রহ্মাণ্ডে—যে ব্রহ্মের বিভূতি ।
সেই ব্রহ্ম গোবিন্দের হয় অঙ্গকান্তি ॥ ১০
সে গোবিন্দ ভজি আমি তেঁহো মোর পতি ।
তাঁহার প্রসাদে মোর হয় সৃষ্টি শক্তি ॥ ১১

অর্থ :—

কোটি ব্রহ্মাণ্ডদা বিভূতি লৈ ব্রহ্মগী ।
ব্রহ্ম অদু হকচাংগী মঙাল্লি গোবিন্দগী ॥ ১০
গোবিন্দবু ঐনা নীংথৈ ঐগী ইবুংঙোনি ।
মাগী কৃপানা ঐনা সৃষ্টি শক্তি লৈবনি ॥ ১১

তথাহি (ভা: ১১ । ৬ । ৪৭)
মুনযো বাতবসনা: শ্রমনা ঊর্দ্ধ মন্থিন: ।
ব্রহ্মাখ্যং ধাম তে যান্তি শান্তা সন্ন্যাসি নোহমলা ॥৬।

গৌর কৃপা টীকা

অসুম ওইবা ব্রহ্মগী মহাক্কী মঙাল্লি হায়রিবদি হকচাংগী মঙালনি ঐনা অসুম ওইনা শ্রীগোবিন্দবু নীংজরি ।"

শ্রীগোবিন্দ অমসুং মশা শকলম্ অমতা ওইরবসু শ্রীগোবিন্দদি মর্তি নাইনা ফোংদোকই, অদুগা ব্রহ্মদি নির্বিবশেষ মর্তি নাইদনা ফোংদোকই, মরম অসিনা শ্রীগোবিন্দনা ধর্মী ওইরে অমসুং ব্রহ্মনা ইবুঙো মহাক্কী ধর্ম ওইরে, ধর্মীগী অঙ্গ গুণদিনা ধর্মীনি অদুগা মাগী মঙাল ধর্মনি । মরম অসিনা শ্রীগোবিন্দনা শুমিংথনা হাইরি পুক্লিনা নীলগ ব্রহ্মবু মঙাল্লি হাইনা লৌরে ।

১০—১১ । পয়ার অসি অসিদা "যস্যপ্রভা প্রভবত:" অসিনচিংবা শ্লোকী বা মচাং কোংদোক্লি ।

বিভূতি—প্রাকৃতাপ্রকৃতৈশ্বর্য্য নি ইতি চক্রবর্ত্তি অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ডদা পৃথিবীনচিংবা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক অসি ব্রহ্মগী বিভূতি নে । মগাক্কী কৃপ না—শ্রীগোবিন্দগী কৃপানা । শ্রীগোবিন্দগী শক্তিনা ব্রহ্মানা বাষ্টি জীবনচিংনা শেম্মী । সৃষ্টি শক্তি—জগৎ শেম্বা ওইবগী পাঙ্গল (ক্ষমতা) । পয়ার অনি অসি ব্রহ্মানা হাইবনি ।

শ্লোক । ৬ অন্বয় । মুনয়: (ভগবানগী মরমদা পুক্নিং লুপ্তনা লৈরিবা) বাতবসনা (দিগম্বর, ফি শেৎতবা) শ্রমনা: (ভগবানগী মরমদা নোম্বা কনবা) ঊর্দ্ধমন্থিন: (ঊর্দ্ধরেতা, ম্নপীগা লৈমিন্ননীংদবা) শান্ত: (সংসারগী অপাম্বা লৈত্রবা) অমলা: (অশোংবা থমোই)

আত্মান্তর্য্যামী যাঁরে যোগশাস্ত্রে কয়।
সেহ গোবিন্দের অংশবিভূতি যে হয় ।।১২

অর্থ

যোগ শাস্ত্রদা মাবু আত্মান্তর্যামী কৌই।
মাহুস্মু শ্রীগোবিন্দগী অংশবিভূতি কৌই ।।১২

গৌর-কৃপা টীকা

সন্ন্যাসিনঃ (সন্ন্যাসিশিংনা) তে (নংগী) ব্রহ্ম খ্যং (ব্রহ্ম কৌবা) ধাম (মঙান,) যান্তি (কংতি)।

অনুবাদ—হে প্রভো ; ভগবানগী মরমদা পুক্নিং লুপ্পবা, কি শিজিন্নদবা, ইবুংঙো মহাক্কী মরমদা নোংজবা কনবা যুমপানগে থন্দবা, মায়াগী অপাম্বা লৈত্রবা, থমোই শেংলবা সন্ন্যাসিশিংনা নংগী (ভগবানগী) ব্রহ্ম কৌবা মঙানবু কংতি।৬।

কবির কবিগুরু লাইরিক্তা 'বাত বসনা.' গী মফমদা "বাতবসনা" ইবা য়াওই। অর্থ দ চপ মান্নে। পাঠক অদি শ্রীবৃন্দগী মফমদা উদ্ধবনা হাঙ্গীবনি।

বাতবসনা : বাত (নুংশিৎন) বসন (ফি) মথোঙ্গী কি শেংজবা, দিগম্বর। শরন—অংতাম্না মরমদা নোংমনুবা ইবুংঙো মাগী মরমতদা নোমজরবা, সাধনকা তৌদুনা লৈজরনা। শান্ত—ভগবানদা পুক্না লুপখিদুনা মথোঙ্গী থমোইদা অতোপ্পা অপাম্বা অমা লৈত্রবা শন্থবু শান্ত কৌই। ব্রহ্মাগাথা—অরাবা থাংবা কনবা সন্ন্যাসিশিংনা শ্রীভগবানগী ব্রহ্ম কৌবা মঙান শন্থু কংতি, হাঙ্গবসি শ্লোকক অসিদা হঙ্গী। সযুজ্য মুক্তি পাম্বনা কংতি। "যদদ্বৈতং" পবে

১২। শ্লোকক "যদদ্বৈতং" শ্লোকী অনিশুবা পরেং "য-আত্মান্তর্য্যামী পুরুষ ইতি সোহস্যাংশবিভবঃ" অসিগী অর্থ তৌজরি। যোগশাস্ত্রনা অহুম ওইবা ভগবংকী মশক শন্থু অন্তর্যামী পরমাত্মা কৌই, মহাকস্মু শ্রীগোবিন্দগী অংশনি, মাসিনা বামচংনি। আত্মান্তর্য্যামী—আত্মা (পরমাত্ম) অমস্তুং অন্তর্য্যামী। মহাক্না জীব খুদিংমক্কী থমোইদা লৈং মথাইমুক্তা চাউনা খুং মরি পান্দুনা লৈ। যোগশাস্ত্র—যোগ মার্গনা মরু ওইনা হৈবা শাস্ত্র। পরমাত্মা গা জীবাত্মাগা তিমংগ হাঙ্গীনা বাথন তৌবা মীশিং অন্তবু যোগী কৌই। মথোঙ্গনা চংশিবা শাস্ত্র অন্তুগী মমিং যোগশাস্ত্র কৌই। অংশবিভূতি—শ্রীগোবিন্দগী অংশগী মশক ওইবা বিভূতি (ঐশ্বর্য্য)।

অনন্ত স্ফটিকে যৈছে এক সূর্য্য ভাসে।
তৈছে জীবে গোবিন্দের অংশ প্রকাশে॥১৩

অর্থ

সুং অয়াংবা শংদা নুমিৎ অমা মমি তা'থৌরা।
জীববিং শংদা গোবিন্দগী অংশ অমা ঙাল থোকপা ঙম্মী॥১৩

গৌর-কৃপা টীকা

১৩। শ্রীগোবিন্দগী অংশনা ওইবা পরমাত্মা হায়বসি পোৎশক অমত্তানি, পরমাত্মাদি যাম্মা লৈতে, অনীত্তদে, ঙাইগুম্বনুং জীবদি মশিং থীবা ঙমদনা য়াম্নৈ, পরমাত্মা অমতনা মস্থৌ করম্মা মাশিং থীবা ঙমদনা য়ামথৌবা (অনন্ত কোটি) জীবদা লৈগদগে হায়বত্থু নুমিৎতা প্রমাণ তৌদুনা উৎলি; নুমিৎ অমতনা সুং অয়াংবা কোটি কোটিগী সুং খুদিংদা মমি তাবগুম্না পরমাত্মা অমতন অনন্ত কোটি জীবদা শিন্দুনা জীবাত্মথ্যামী ওইনা কোং-দোক্নুনা লৈ। মফম আসদা পোৎ অমতনা অতোপ-অতোপ্পা মফমদা চংলগা কোং-দোক্নুনা লৈ হায়না প্রমাণ তৌরবসি মরম খুদিংমক্তা পুমচুম চুম্বাদ থোকে। অনন্ত কোটি সুং-অয়াংবদা নুমিৎনা লোরবাদি মমি ওইনা লৈরিবনি; মমিদি শৌদ্দা পোৎলা, অচুম্বা পোৎ নত্তে ঙাইগুম্বনুং জীবগী থমোইদা পরমাত্মাদি মমি ওইনা কোংদোক্তে থাইদোকনা তশেংনা কোংদোমই; পরমাত্মা অমতা ওইরবসু মহাক্কী শক্তিকৃপা খন্দুগী মগুনা, মহাক্না অনন্ত কোটি জীবগী থমোয় খুদিংমক্তা অতোপ্পা-অতোপ্পা মমি ওইনা লৈবা ঙম্মী। পরমাত্মাগী মমি দ লৈবা য়াবা লৈবাক্তা তাবা পোৎসু নত্তে; মরমদি পরমাত্মাদি ঙমথে নাইদন মপান নাইদব, মফমদ শিন্দুনা লৈব ঈশ্বরগী মশক্তি। ঙমথে নাইবা অরোইবা নাইবা থাংজনা মমি লৈবা মমি তাবা য়াবান, মফম খুদিংদা চপমাননা লৈরবা পোৎকৌদ মাম লৈবা (মমি তাবা) হোনদে নুংশিংকী মাম লৈতে।

লাই, মৈ, শা, উচেক, তীন, কে'জেংনচিংবা মশিং থীবা ঙমদবা মগুংগী অনন্ত জীব লৈ; সৃষ্টি লীলাগী মতুংইন্না অমত্তা ওইবা পরমাত্মানা জীব পুম্নমক আসগী খুদিংমক্কী মথুংদা অন্তর্য্যামী ওইনা চান্দনা লৈ মাসি উবগা, কনা কনাগুম্বনা চিংনবা য়াই, অতোপ-অতোপ্পা জীবগী অন্তর্যামী পরমাত্মা তোঙান-তোঙানবনি, চিংনবাস কোক্রুনবগী মমক পয়াম্ব লমিদা চাঙ্গীয় -পরম প্রাণ অংশনি, অনি শুদে। জীবনা মাগী মাগী কর্ম্ম কনা মায়াগী মপ্পা লৈবা হকচাংদা চংজরি। ঙাইগুম্বনুং জীবগী হকচাংদা পরমাত্মানা লৈরিবসিদি কর্ম্মফলগীদমক লৈবা নত্তে, লীলাগীদমক লৈবান; পরমাত্মাগী কর্ম্ম লৈতে, মরমদি মহাক্কি মায়াগী বাংমদা লৈ, মায়া চংদে জীবগী হকচাংগা পরমাত্মাগা মরী কারম্ব লৈনদে,

তথাহি শ্রীভগবদ্গীতায়াম্ (১০ ৪২)

অথবা বহুনৈতেন কিং জ্ঞাতেন তবার্জ্জুন ।
বিষ্টভ্যাহমিদং কৃৎস্নমেকাংশেন স্থিতো জগৎ ॥ ৭ ॥

গৌর-কৃপা-টীকা

মহাক্তি মরী লৈনবনা জীবগী অন্তর্য্যামী ওইনা জীবকী মশাগী লৈ। মুশিং অমতনা বাঁশীগী অতোপ-অতোপ্পা মথুন্দ চানুরগ খোঙ্জেল তোঙান-তোঙাম্না থোরকই, অহু-গুমন্না পরমাত্মা অমতনা অতোপ-অতোপ্পা হকচাংদা অন্তর্য্যামী ওইনা লৈবা মরম্না, হেক য়েংবদা জীব পুম্নমক্তি চকচাং মান্নদবনিন তোঙান তোঙান্না খেন্না লৈরবোই নীং-লুবতনি, তৌইগুম্নসং বাঁশী মথুন্দ লৈরিবা মুংশিং অহু অমতনি, অহুগুমন্না অতোপ-অতোপ্পা জীবদা লৈরিবা পরমাত্মাগী মকম খুদংদা লৈবা মথৈ লৈতবা পোংনি।
"বেণুরন্ধ্রবিভেদেন ভেদঃ ষড্‌জাদি—সংজ্ঞিতঃ/অভেদ ব্যাপনো বায়োস্তথা তস্য মহাত্মনঃ ॥ বিষ্ণুপুরাণ ২ ১৪ ৩২।"

মুং অরংবশংদা—মশিং জীবদা অবাইবা লৈতনা য়াম্নবা মিংশেন মানুবা মুং অর বদ মুং শংবশিংনা মুমংকী মমি তারিব ম ম পম্নমক অহু মুমং অমতগী মমিনি, মুমং ময়ামগী মমি নত্তে।

শ্লোক। ৭ অন্বয়। অথবা (মমদি, অমসু) অর্জ্জুন (হে অর্জুন) এতেন (মসিগী মরম্না) বহুনা (তোঙান তোঙানা হিরম পুম্নমক্না) জ্ঞাতেন (খঙবা) তব (নংগী) কিং (কারি) [প্রয়োজন] (কাম্বা)? অহং (ঐ) একাংশেন (অংশ অমন—পরমাত্মা ওইনা) ইদং (অসি) কৃৎস্নং (পুম্নমক) বিষ্টভ্য (শিন্নরগা) স্থিতঃ (লৈ)

অনুবাদ। শ্রীভগবাননা হাঙ্গ, 'অমদি হে অর্জুন, তোঙান-তোঙান্না হিরম পুম্নমক অসি খঙলগা নংগী কারি কাম্নগনি? ঐনা অংশ অমা পুখাওনা (পরমাত্মা-ওইনা) জগৎ পুম্নমক অসি পুম্না শিন্নরগা লৈরিব।" ৭।

তোঙান-তোঙান্না মশাগী বিভূতি ময়ামগী ওয়াদা পাওতাক পীহুনা শ্রীভগবাননা অর্জুনদা হাঙ্গিরকই,—অর্জুন। বিভূতি খুদিংগী তোঙান তোঙান্না বারী খঙলগা কারি কাম্নগনি? বা অমা পুম্নমক খঙনবা হাঙ্গিরকশিনি তাও। মিংনা উঁরবা জগৎ অসিদা চাং—জীব অমসুং জড—প্রকৃতি, অনি অসি হেক্কঙ্গক্ লৈ—ঐনা অংশ অমনা পরমাত্মা ওইনা মহুদা শিন্নরগা লৈরিবনি, প্রকৃতিগী অন্তর্য্যামী পুরুষ (নীপা) অহুম, ব্রহ্মাণ্ডগী অন্তর্য্যামী পুরুষ অমসুং, অমদি জীব খুদ খুদকী অন্তর্য্যামী পুরুষ অহুনাচংবা মখোয় খুদিংমক

তথাহি (ভা, ১।৯।৪২)

তমিমমহমজং শরীরভাজাং হৃদি হৃদি ধিষ্ঠিতমাত্মকল্পিতানাম্ ।
প্রতিদৃশমিব নৈকধার্কমেকং সমধিগতোঽস্মি বিধুতভেদমোহঃ ॥৮॥

গৌর-কৃপা-টীকা

ঐগী অংশনি। জগৎকী সৃষ্টি, স্থিতি প্রলয়গী মপু ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং শিব—মখোইসু ঐগী অংশনি—সৃষ্টি কর্ত্তা ওইনা ঐনা জগৎ শেম্মী, তাকপীবা মপু ওইনা ঐনা জগৎ তাকই, সংহার (মাঙহনবা) মপু ওইনা ঐনা জগৎ সংহার (মাঙহন্বা) তৌই। ঐনা শিবগুনা লৈ, সর্ব্বব্যাপীনি।

ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্তা অমসুং জীব পুম্নমক্তা শ্রীগোবিন্দগী অংশ কোংদোক্না লৈ, মসিগী প্রমাণ্না শ্লোক অসিনি।

শ্লোক। ৮। অন্বয়। প্রতিদৃশং (খুদিংমক্কী মিৎয়েংদা) নৈকধা (মখল কায়া) [প্রতিভাতং] (উবা ফংই) একং (অমতনা) অর্কং ইব (নুমিৎকী মতৌগুম্না) আত্মকল্পিতানাং (মশানা শাবা) শরীরভাজাং (হকচাং লৈবা থবাই পানবশিংগী) হৃদি হৃদি (থমোই-থমোইদা, খুদিংমক্কী থমোইদা) ধিষ্ঠিতং (লৈ) তং (অদুম ওইবা) ইমং (অসি) অজং (পোকপা লৈতবা শ্রীকৃষ্ণবু) বিধূত—ভেদ মোহঃ (কাক্লবা—মায়ানা তুমহৎপা) অহং (ঐনা) সমধিগত (ফংবা) অস্মি (ওইরে)।

অনুবাদ। ভীষ্মদেবনা শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজনা হাইরকই "নুমিৎ অমতদা অতোপ-অতোপ্পা মকমদা লৈবা অতোপ-অতোপ্পা মীনা য়েংবদা নুমিৎ য়াম্না উবা ফংই অদুগুম্না পোকপা লৈত্রবা শ্রীকৃষ্ণসু মশানা শেম্বা জীব খুদিংমক্কী থমোইদা লৈজনা ফোংদোকই। (শ্রীকৃষ্ণ অসিমক্কী কৃপানা তশিন্দি) ফংজরে (থৎবা তমজরে) ৮॥

প্রতিদৃশং—অতোপ-অতোপ্পা মকমদা অতোপ-অতোপ্পা জীব লৈ; মখোইগী খুদিংমক্কী মিৎয়েংদা। নৈকধা—নুমিৎ অমতং নত্তবা. নুমিৎ মশিং য়াম্না। ভেদমোহ—সংসারগী মায়ানা তুমহৎপা।

ভীষ্মনা হাইরি—"শ্রীভগবান্না অনন্ত কোটি জীব শেম্নগা পরমাত্মা ওইনা মখোইগী খুদিংমক্কী থমোইদা লৈ। ঐগী ইমাংদা কমজনা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণ অসিনা—পরমাত্মা ওইজনা অনন্ত কোটি জীবদা লৈ। অহানবদদি মায়ানা তুমহৎজনা জীবশিংগী থমোইদা লৈরিবা পরমাত্মাময়াম অসি অমগী অমগা মায়দে হাইনা খল্লমী। হৌজিক্তু মায়া অদু কোকখিজনা পরমাত্মা ময়াম অসি অমতনি হাইনা খঙলে। প্রমাণ্দি - নুমিৎনা য়াম্না লাপ্না লৈখিবা মরম্না মকম অয়াম্বদা মী পুম্নমক্না উবা ফংতি, মী ময়াম্না উরিবা নুমিৎ অসি

সেই ত গোবিন্দ সাক্ষাৎ চৈতন্য গোসাঞি।
জীব নিস্তারিতে ঐছে দয়ালু আর নাই ।।১৪

অর্থ

গোবিন্দ অদু সাক্ষাৎ চৈতন্য গোসাঞিমনি।
জীব লানবিহৈবা মাগুম্বা অমা লৈত্রবনি ।।১৪

গৌর-কৃপা টীকা

অমতনি অদিগুম্বদ শ্রীকৃষ্ণনু অমতা ওইরবসু সার্ব্বব্যাপী মকম থুদিংদা লৈবনিরা অনন্ত কোটি জীবগী থমোইদা অনন্ত কোটি অন্তর্য্যামী মীওইনা কোংদোক্লুনা লৈ লাক্লবসি থওবা ওয়ে।

১৪। গোবিন্দ অদু—ব্রহ্মাসি মহাকী হকচাংগী মঙালনি অমসুং পরমাত্মা মহাকী অংশনি, অদুম ওইবা আদিপুরুষ অহানবা মীপা গোবিন্দ। থাক্লেংবা মহাকমক্তা শ্রীচৈতন্য ওইনা অবতীর্ণ ওইরবে; অদুনা শ্রীচৈতন্যগা শ্রীগোবিন্দগা করিসু খেন্নদ। জীব লানবিহৈবা—জীববু লানবিবদা খোঙ্গাল হৈবা, মায়ানা পুন্দুনা লৈরিবা জীবগী লানবিনবগী মরমদা শ্রীচৈতন্যগী মতৌগুম্বা খোঙ্গাল হৈবা অতৈ অতোপ্পা কনাগুম্বা অমা লৈতরে। জীবগী উদ্ধারগী (লানবিনবগী) দমক অয়াম্বা মতমদা জগৎতা অবতার য়াম্বা লাকই হাক্লবসি অচুম্বনি, তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যগী খোঙ্গালগী মতৌগুম্বা মীপুম থুদি দা চানবিবদি কনাসু য়াওদ্রি। অতোপ-অতোপ্পা অবতারনা জ্ঞান, যোগ, কর্ম্ম (থবক) পচিবা তৌনবগী পাওতাক পীদুনা জীবগী লান্নবগী উপায় তৌবিরম্মী; তৌগুম্বসুং মাদুনা স্বয়ং ভগবান ব্রজেন্দ্র-নন্দনগী অন্তরঙ্গ (মন্নুংগী চেকশিনবা) সেবা ফংবা ঙমদে, অন্তরঙ্গ সেবা ওইব। প্রেমভক্তিদি শ্রীচৈতন্য নত্তনা অতৈ কনানসু পীখ্রে, পীবসু ঙমলোই; মরমদি, য়াম্ন তাওনবা ব্রজপ্রেমদি ব্রজেন্দ্র-নন্দন শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অতৈ কনা অমত্তনা পীবা ঙমদে। "সন্তব তারা বহবঃ পঙ্কজনাভস্য সর্বতো ভদ্রাঃ। কৃষ্ণাদন্যঃ কো বা লতাস্বপি প্রেমদো ভবতি॥ল,ভা, পু, ৫। ৩৭॥ অবতার পুম্নমক্না জীব লানবিনবগী উপায় পাওতাক পীবিরম্মী তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণনা নাপনীংঙাই থওদনা ফজবা মাধুর্য্য ফংনবগী উপায়দি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য নত্তনা অতৈ কনা অমত্তনা থওহল্লমদ্রে; পীসু পীরমদ্রে। মাসিনা জীব লান্নবগী মরমদা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যগী অথম্বা খোঙ্গালনি।

যমদ্বেত শ্লোকী মন্থংগী মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী হকচাংগী মঙাল ব্রহ্ম ওই অমসুং অংশনা পরমাত্মা ওই; তৌইগুম্বসুং শ্লোক অসিগী অর্থ তৌবদা গ্রন্থকারনা প্রমাণগী মশক ওইনা ব্রহ্মসংহিতাগী, শ্রীমদ্ভাগবতকী অমসুং গীতাগী শ্লোক সংতোক্লুনা উৎলি; মাসিনা থওনরিবনা শ্রীগোবিন্দগী হকচাংগী মঙালনা ব্রহ্ম অমসুং অংশনা অন্তর্যামী থওনৈ; শ্রীকৃষ্ণ

পরব্যোমেতে বৈসে নারায়ণ নাম।
ষড়ৈশ্বর্য্য পূর্ণ লক্ষ্মী কান্ত ভগবান।।১৫

অর্থ :—

পরব্যোমদা হপূ ওইরিবদি নারায়ণনি !
ষড়ৈশ্বর্য্য পূর্ণ লক্ষ্মীকান্ত ভগবাননি। ১৫

গৌর-কৃপা-টীকা

চৈতন্যগী হকচাংগী মওং, অংশগী মরমদদি করিগুম্বা প্রমাণ পল্লমল্লে। মরম অসিনা করাগুম্বনা চিংনবা য়াই হায়না থল্লুহনা পয়ার অসিদা শ্রীগোবিন্দগা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগা করিগুম্বা লৈবা লৈতে হায়না হায়রি; জীব লানবিনবগীদমক স্বয়ং শ্রীগোবিন্দনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইনা অবতীর্ণ ওইরে; শ্রীগোবিন্দগা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগা অমত্তা ওইবা মরম্না শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী হকচাংগী মওংমা ব্রহ্মনি অমসুং মাগী অংশনা পরমাত্মানি। মাসি ফাওবদা "যদদ্বৈতং" শ্লোকী.........।

১৫ হৌজিক "ষড়ৈশ্বর্য্যপূর্ণ" গী অর্থ তৌরমি। পরব্যোমগী মপু (মকোক) শ্রীনারায়ণ অমি শ্রীকৃষ্ণগী নত্ত্রগ শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী বিলাস মূর্তি নি মানিনা চাওখাকপা অর্থনি।

পরব্যোম—মহাবৈকুণ্ঠ। শ্রীকৃষ্ণগী শক নত্তবা অতৈ শংতোপ্পা ভগবংশী মশক ১ৈথেগী, মখোই থুনিংমক্কী চিম্নত (মাথংগী মনুংচন্দবা) নিত্যধাম (অবেম্মা মফম) অমমম হৈদে দে; অতুম ওইব ভগবংশী মশক পুম্নমক্কী লৈফম মফম পুম্নমক অতুগী অপুনব। মমিংদি পরব্যোম কৌই। পরব্যোমদা মপু মকোক ওইরিবা অদুগী মমিংদি শ্রীনারায়ণ কৌই, মহাকী চম্বীনা শ্রীলক্ষ্মী কৌই। ষড়ৈশ্বর্য্য পূর্ণ—(১) ঐশ্বর্য্য পুম্নমক (পুথুম চনবা গুম্বগী শক্তি পুম্নমক), ২ বীর্য্য পুম্নমক (মনি মন্ত্রগী মহৌগুম্বা মকপা শক্তি), ৩ যশ পুম্নমক (অফবা গুণগী মিংচৎ পুম্নমক) ৪। শ্রী পুম্নমক (সম্পত্তি পুম্নমক) ৫। জ্ঞান পুম্নমক (মঙলিংবা অথওবা পুম্নমক) অমসুং ৬ বৈরাগ্য পুম্নমক (পঞ্চভূতগী মপু দা লৈবা পোংত্তা পাম্মদবা, থনদবা) তরুক অসিবু ষড়বিধ ঐশ্বর্য্য (ঐশ্বর্য্য তরুক) কৌই। তরুক অসি চপচানা করাগুম্ব অমদা লৈবা মতমদা মাবু ষড়ৈশ্বর্য্য পুর্ণ কৌই। লক্ষ্মী কান্ত— লক্ষ্মী দেবীগী মবুংঙো। পয়ার অসিদা হায়রিবসি ঐশ্বর্য্য তরুক্তা তিনবা, লক্ষ্মীগী মবুংঙো ওইবা ভগবান, মহাকী মমিং নারায়ণ কৌই; মহাক পরব্যোমদা লাম্লুনা লৈ।

বেদ ভাগবত উপনিষদ আগম।
'পূর্ণ তত্ত্ব' যারে কহে-নাহি যাঁর সম।।১৬
ভক্তি যোগে ভক্ত পায় যাঁহার দর্শন।
সূর্য্য যেন সবিগ্রহ দেখে দেবগণ।।১৭
জ্ঞান যোগমার্গে তাঁরে ভজে যেই সব।
ব্রহ্ম আত্মারূপে তাঁরে করে অনুভব।১৮

অর্থ

বেদ ভাগবত উপনিষদ আগমা।
'পূর্ণ তত্ত্ব' হায়ী মাবু,— চাউবা হেনবা মরম্মা ।।১৬
ভক্তি যোগদা মাবু উবা ফংডি ভক্তনা।
লাইশিংনা সুমিৎপু মপ্তি য়াওনা উবগুম্মা। ১৭
জ্ঞান যোগ মার্গদা মাবু নীংবশিং অহুনা
মাবু খঙলী মপ্তি লৈতবা ব্রহ্ম আত্মা ওইনা।।১৮

গৌর-কৃপা টীকা

১৬। বেদ ভারতবর্ষগী য়াম্ন' কুইরবা থাইনা মমাংলৈগী শাস্ত্রগী মমিং বেদ কৌই; মথল মরি শুই; মাহুৎশি, সাম, যজু, ঋক অমসুং অর্থর্ব। উপনিষদ—বেদগী ব্রহ্মতত্ত্ব লেপনবগী শরুকী মমিং উপনিষদ কৌই। আগম—তন্ত্রশাস্ত্র। চাউবা হেনবা মরম্ম'—মাগা মান্নব লৈতবা মরম্মা।

১৭। ভক্তি যোগদা—ভক্তি মার্গগী সাধনদ ভগবানবু সেবা তৌগদবনি অমসুং মশাবুনা মনাইনা লাইনা খন্দুনা ভগবানগী সেবা কংননবা নীংলিবা মী মখোঈশিং অহুবু ভক্ত কৌই। ভগবানগীদমক সাধন তৌবা অহুবু ভক্তি যোগ কৌই. মাবু উবা ফংডি নারায়ণগী খোং-খুৎ পানবা রূপ উবা ফংডি ভক্তনা। মূর্ত্তি য়াওনা—খোং-খুৎ য়াওনা। লাইশিংন'—সূর্য্য লোক্তা লৈবশিংনা, সূর্য্য লোক্তা নত্রগা সূর্য্য লোকী মনাক্তা লৈরিবা লাইশিংনা সুমিৎকী মখোং-মখুৎ উবা ফংডি। অহুগুমহুনা ভক্তি মার্গদা নীংলিবা মখোঈশিং অহুনা ভক্তিগী কৃপানা ভগবানগী মনাক্তা চংবা ঙম্মি; অহুনা মখোঈনা শ্রীভগবানগী মখোঙ-মখুৎ শুনা য়াওবা রূপ অহু উবা ফংডি। মথকী পয়ার মাপন্দা য়েংবিয়ু।

১৮। জ্ঞান যোগ মার্গদা—জ্ঞান মার্গদা অমসুং যোগ মার্গদা। ভগবানগী মশক লৈতবা ব্রহ্মদা তিনুজনীংলিবা লাই মনীং অহুবু জ্ঞানমার্গ কৌই। পরম' ত্মাদা তিনুজনীংহুনা নীংলিবা লম্বি অহুগী মমিং যোগ মার্গ কৌই। ব্রহ্ম—আত্মা ওইনা—

উপাসনা ভেদে জানি ঈশ্বর-মহিমা।
অতএব সূর্য্য তাঁর দিয়ে ত উপমা ॥ ১৯

অর্থ :—

ঈশ্বর থঙ্বা মথঙ্, মাগ্নদে নীংবা খেন্নবনা।
নুমিৎতা প্রমাণ তৌজরি চাংদম্নহনা ॥ ১৯

গৌর-কৃপা টীকা

(জ্ঞান মার্গ চৎপা মীশিংনা) হকচাং লৈতবা ব্রহ্ম ওইনা অমসুং (যোগমার্গ চৎপা মীশিংনা) পরমাত্মা ওইনা। জ্ঞানমার্গ চৎপা মীনা ভগবানগী মূর্ত্তি লৈতবা ব্রহ্মগী মশকপু ফংবা ঙম্মী, অদুগা যোগমার্গ চৎপা মীনা পরমাত্মাগী মশক থঙবা ঙম্মী; তৌইগুম্বসুং মখোইনা ঐশ্বর্য্য ভরপুর তিনবা ভগবান নারায়ণবুদি থঙবা ঙমদে। মথক্কী পয়ার মাপন্দা য়েংবিয়ু।

১৯। মথক্কী পয়ার অনিদা হাইজখরে, ভক্তনা ভগবানবু উবা ফংই, জ্ঞানীনা মাবু ব্রহ্ম ওইনা অমসুং যোগীনা মাবু পরমাত্মা ওইনা থঙই, বা অসিনা থঙনরিবদি মী মখল অহুম অসি ভগবানবু থঙ্বা ঙম্মী; তৌইগুম্বসুং অহুম অসিনা থঙ্লিবা মথঙ্দি মাম্নদে, খেনবা হাইনা পয়ার অসিদা হাইরি। ভক্তনা থঙবগা যোগীনা থঙবগা মাম্নদে, অদুগা যোগীনা থঙবগা জ্ঞানীনা থঙবসু মাম্নদে। নীংব থম্বনা মরম থঙ্বা মাম্নদরিবনি (মথক্কী পয়ার মাপন্দা য়েংবিয়ু)। থঙ্বা খেন্নবসি তাব তাননবগীদমক নুমিৎতা প্রমাণ তৌজরি। নুমিৎ অমতানা, পৃথিবীদা লৈরিবা জীবশিংনা মতাম মতুম ওইনা উরি, লাইশিংনা বিগ্রহ (হকচাং) ওইনা উই অমসুং সূর্য্যলোক লৈরিবা মখোইশিংনা নুমিৎকী মথাক্ত মথুং য়াওনা অমসুং লোকাইনচিংনা উবা ফংই। অদুমক্তনা, শ্রীভগবান অসি অমত্তা ওইরবসু জ্ঞানীশিংনা মূর্ত্তি নাইদবা মতাংনগী ব্রহ্ম ওইনা থঙই, যোগীশিংনা মাগী অংশ ওইবা পরমাত্মা ওইনা থঙই অমসুং ভক্তশিংনা মাবু ঐশ্বর্য্য ভরপুর তিনবা মশক ওইনা থঙই। মূর্ত্তি লৈতবা ব্রহ্মগী সাইওন (বিলাস) লৈতে, রূপ (মশক) লৈতে, গুণ লৈতে, লীলা লৈতে, মরম অসিনা জ্ঞানীশিংনা নুংঙাইবতা মথঙ্ভী। পরমাত্মাগী মশক্তি লৈ, অদুগা জীবগী মরমদি মরী লৈনদে, সাক্ষি ওইনা লৈ, ভক্তগী থমোই নুংঙাইনবগীদমক অদুবগা লীলাসু শাম্নদে। যোগীনা মহাকপু থমোইদা থঙ্লগা নুংঙাইবা ফংঙিদি হাইরবু মহাক্কী লীলা য়াংপা মরম্না নুংঙাইবগী শৃপোম তৌবদি ঙমদে, অদুমদি ওইরগা জ্ঞানীদগী যোগীনা থঙ্বা খরা হেল্লী, মরমদি যোগীনা ভগবানগী নুংঙাইবগী মশক ওইবা মাধুর্য্য অদু থমোইসুদা থঙবা ঙম্মী। ভক্তগী মবুংঙো ওইরিবা ভগবান্দি ঐশ্বর্য্য ভরপুর তিনবনি। মহাক্কী ইমু-মহু ওইবা লোইনবা লৈ। লোইনবশিং অদুগা

সেই নারায়ণ কৃষ্ণের স্বরূপ—অভেদ।
একই বিগ্রহ, কিন্তু আকার—বিভেদ॥ ২০
ইঁহো ত দ্বিভুজ, তিঁহো ধরে চারি হাথ।
ইঁহো বেণু ধরে, তিঁহো চক্রাদিক সাথ॥২১

অর্থ

নারায়ন অদু কৃষ্ণগী স্বরূপকা খেন্নদে।
মশক্তি চপ-মান্নরবগা মওংদি মান্নদে ॥২০
নারায়ণা খুৎ মরিনি, কৃষ্ণনা অনিনি।
অমনা বেণু পাঈ অমনা চক্র পাঈবনি ২১
তথাহি (ভা ১০ ১৪ ১৪)

নারায়ণস্ত্বং ন হি সর্ব্ব দেহিনামাত্মাস্যধীশাখিললোকসাক্ষী।
নারায়ণোঽঙ্গং নরভূজলায়নাত্তচ্চাপি সত্যং ন তবৈব মায়া॥৯॥

গৌর-কৃপা টীকা

লীলাদ্রু শাৱে। ভক্তনা মাবু মনুংদসু খঙজী ; মপান্দসু খঙউী ; মহাকী লোঈনবা ওইবা ক্ষজচুনা সেবা ক্ষজবগী মুংঙাইবগী ইংথৌরকপা অঙকপসু খঙ্বা ঙম্মী ; মরম অসিনা জ্ঞানী অমসুং যোগীনা খঙবদগী ভক্তনা খঙনবা হেন্নি।

২০ অতোপ-অতোপ্পা লাইনীংবশিংনা (উপাসকশিংনা) নারায়ণবু অতোপ-অতোপ্পা মওং ওনা খঙনৈ, অদুগা মহাক অদু শ্রীকৃষ্ণগদি স্বরূপ খেন্নদে শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীনারায়ণ অনিমক মুংঙাইবগী য়ুম্ফম ওইবা হকচাংনি মওংদি মান্নদে—মওংগী অথ অসি হকচাংগী অমগ অমগা তাঙনবা, শম্নবা ; মান্নদে—খেন্নৈ। শ্রীকৃষ্ণগা শ্রীনারায়ণগা মশক অমত্তা ওইরবসু হকচাংগী মওং খেন্নবা লৈ

২১। শ্রীকৃষ্ণগী খুৎনা বেণু পাঈ অদুগা শ্রীনারায়ণনা শঙ্খ, চক্র, গদা অমসুং পদ্মান পাঈ। মরম অদুনা হকচাং মওংদা শ্রীকৃষ্ণগা শ্রীনারায়ণগা খেন্নবা লৈ ; মশক্তি (স্বরূপ্তি) খেন্নদে, মরম অসিনা শ্রীনারায়ণ অসি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস মূর্ত্তি লৈ হাঈবদি সাইওন্নি। প্রমাণ ওইনবা শ্রীমদ্ভাগবতকী "নারায়ণস্ত্বং" নচিংবগী শ্লোক মথাদা উচ্চরি।

শ্লো ৯। অন্বয়। ত্বং (নং) নারায়ণঃ (নারায়ণ) নহি (নত্তবা) অপি তু নারায়ণ এব ত্বং (খাঙ্গৈপেংবা নং নারায়ণনি) ; (যতঃ) (মরম অদুনা) সর্ব্বদেহিনাং (হকচাং পুম্নমকী) আত্মা (আত্মা) অসি (ওই) ; অধীশ (হে ঈশ্বর পুম্নমকী মপু)। ত্বম্ (নং) অখিল-

গৌর-কৃপা টীকা

লোকসাক্ষী (মী পুম্নমকী সাক্ষী) (অসি) (ওই) ; নরভূজলায়নাৎ (জীবগী থমোইদা অমসুং ঈশিংদা লৈবা মরম্না) (সঃ প্রসিদ্ধঃ) (কাওরবা, মখিং চৎলবা) নারায়ণঃ (নারায়ণ) (সঃ) (মহাক) তব (নংগী) অঙ্গ (হকচাং, মূর্তি), তৎ (হকচাং অমু)চ অপি (অমসুং) সত্যং (অপ্রাকৃত, অবেম্না) এব (লেপ্পনক), (তৎ) (মাদু) তব (নংগী) মায়া (মায়া) ন (নত্তে)।

অনুবাদ। ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণদা হাঈরকই "নং নারায়ণ নত্তবা ? (হাঈবদি নং থাজৈশেংবা নারায়ণনি ; মরম অদুবা) নং হকচাং লৈরিবা পুম্নমকী আত্মানি : অমসুং হে ঈশ্বর-পুম্নমকী মপু ওইরিবা ইবুংঙো ! নংনা মী পুম্নমকী সাক্ষীনি (হাঈবদি নংনা হকচাং লৈরিবা পুম্নমকী ভূত-ভবিষ্যৎ-বর্ত্তমানগী থবক পুম্নমক য়েংলুনা লৈরিবনি) ; অদুগা জীবগী থমোইদা লৈরিবা অমসুং ঈশিংদা লৈরিবা (থাইনা খওনরিবা) নারায়ণ অদুসু নংগী হকচাংনি (শরু অমত্তনি) মহাক অদু (নংগী হকচাং নারায়ণ অদু) সত্যবস্তুনি, নংগী মায়া নত্তে।৯

প্রকট ব্রজ-লীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা মমাম্নবশিংগা লোঈনলুনা থন শেল্লিঙৈগী মতমদা নোংমা ব্রহ্মানা লাক্লুনা কৃষ্ণ নত্তনা ধ্রঞ্জহা পুম্নমকপু হুলুনা পুখি, মতৈথংদদি ব্রহ্মানা মানা ঙৌরিবা থবক অদু লাল্লে হাঈবা খঙলক্লুনা মাগী মরান অদু ঙাকশায়ু হাঈলুনা শ্রীকৃষ্ণগী চরন্দা হাঈজখি, মাদু শ্রীমদভাগবতকী শ্লোক কয়ামকম ইলুনা লৈরি, "নারায়ণস্ত্বং" নচিংবা শ্লোক ময়াম অদুগী মনুংদা অমনি ; মাসিগী মমাংগী শ্লোকতা "ত্বরবিনির্গতোহাস্মি ?

ঐ নংভোন্দগী থোরকপা নত্রা ? হাঈবদি ঐ নংভোন্দগী থোরকপনি।" বা অসি হাঈদোকপগা, ব্রহ্মানা চিংনরক্লে, চিংনরিবা মরমদি শ্রীকৃষ্ণনা হংলকপা য়াই—"ব্রহ্মণ। নংদি নারায়ণদগী থোরক্লগা ঐভোন্দগী থোরকপনি হাঈরিবা করি মরম্নো ? অসুম্না হাঈনা হংলকপা য়াবা বাহং অসিগী চিংনবনা ব্রহ্মানা "নারায়ণস্ত্বমিত্যাদি" শ্লোকতা হাঈরিবনি "হে কৃষ্ণ ! নারায়ণস্ত্বং ন হি ? নং নারায়ণ নত্রা ? হাঈবদি নং নারায়ণনি নারায়ণগী মরুদি নংনি। মতৌ করম্না নংবু নারায়ণনি হাঈরবগী মরমসু হাঈজরক্লি।" "নার" অমসুং "অয়ন" বাহৈ অনি অসি পুনশিল্লগা "নারায়ণ" শব্দ থোকই। "নার" অমসুং "অয়ন" বাহৈ অনি অসিগী অর্থ মখল মখা য়াম্না তৌরগা ব্রহ্মানা উহল্লিবদি, শ্রীকৃষ্ণতনা মরুওইবা নারায়ণনি। অহানবগী "নারং জীব সমূহঃ"—নার শব্দগী অর্থদি জীব পুম্নমক হাঈবনি, অদুগা "অয়ন" শব্দগী অর্থনা চংঙৌ হাঈ।নি। জীব পুম্নমক্তা চংলুনা লৈবা অদুবু নারায়ণ কৌই। শ্রীকৃষ্ণনা পরমাত্মা ওইলুনা জীব পুম্নমক্তা লৈ ; মরম অসিনা জীব পুম্নমক্তা (নার) চংঙৌ (অয়ন) হাঈতনা পরমাত্মা অসি নারায়ণনি অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা পরমাত্মাগী মরুনি

গৌর-কৃপা টীকা

হাঙ্গৈহুনা শ্রীকৃষ্ণনা নারায়ণনী মরূনি। অদুম হাঙ্গৈনা অর্থ অসি কোংদোক্লীংহুনা ব্রহ্মানা হাঙ্গৈরকই, "সর্ব্ব দেহীনাং আত্মা অসি—হে কৃষ্ণ! নংনা জীব পুম্নমক্কী আত্মানি অমসুং পরমাত্মা ওইহুনা নংনা জীব পুম্নমক্তা লৈ; মরম অসিনা জীব পুম্নমক অসি নংগী চংকল্লি আশ্রয়নি, মরম মহুনা নারায়ণনি"

অনিগুবদা ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণবু নারায়ণনি হাঙ্গৈবদা চুম্নবগীদমক শ্রীকৃষ্ণদা "অধীশ" হাঙ্গৈনা কৌরম্মী। অধীশ—ঈশানাং অধিবর্তি (চক্রবর্ত্তী), ঈশ্বর পুম্নমক্কী মপু নত্রগা হৌকম্। কারনার্ণবশায়ী পুরুষ, গর্ভোদবশায়ী পুরুষ অমসুং ক্ষীরোদশায়ী পুরুষ—পুরুষ অদুম অসিনা ব্রহ্মাণ্ডগী অমসুং ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা জীবগী সৃষ্টি, স্থিতি (লৈহন্‌বা), প্রলয়গী নকুবা (থাদোকপা য়াত্রবা) কারণনি (কর্ত্তানি)। মরম অসিনা পুরুষ অদুম অসিনা ব্রহ্মাণ্ডগী অমসুং জীব পুম্নমক্কী ঈশ্বরনি, অদুগা শ্রীকৃষ্ণদগী পুরুষ অদুম অসি থোরকপনি, মরম অসিনা মথক্তা হাঙ্গৈখিবা ঈশ্বর-পুম্নমক অসিগী মপুনি মকোক্লি হাঙ্গৈহুনা শ্রীকৃষ্ণবু অধীশ হাঙ্গৈবিবনি। পুরুষ অদুম অসিগী সাধারণ চংনবা মিংদি নারায়ণ হাঙ্গৈরগা মখোই থুদি মকপু খঙনৈ, শ্রীকৃষ্ণদা মখোইনা মরূওইনা চংক্লে হাঙ্গৈহুন শ্রীকৃষ্ণবু নারায়ণগী মরূনি হাঙ্গৈনা খঙনৈ। অদুম গুবদা ব্রহ্মানা হাঙ্গৈরকই—"হে শ্রীকৃষ্ণ। নারায়ণ হাঙ্গৈবসি নংমক্লি, অদুনা নং অসি পুম্নমক্কী সাক্ষীনি (অখিল)—লোক সাক্ষীনি।" অখিল—লোক শব্দনা খঙনবদি, প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্তা প্রাকৃত (মচম্বা) জীব লৈরিবা মখৈ অমসুং অপ্রাকৃত (চমত্রবা) বৈকুণ্ঠবচিংবদা অপ্রাকৃত জীব লৈরিবা মখৈবু, জীব (নার) পুম্নমকপু খঙনৈ। জীব (নার) পুম্নমক অসিগী সাক্ষীবু—অখিল-লোকসাক্ষী কৌই। অদুবা অদুবু সাক্ষী কৌই, শ্রীকৃষ্ণনা অখিল লোকী থবক (জীব পুম্নমক্কী থবক) মতম অদুমদ তৌবা পুম্নমক অদু উই হাঙ্গৈহুনা মহাকপু অখিল লোকসাক্ষী কৌই। অয় ধাতুগী অর্থদি খঙবা নত্রগা উবা হাঙ্গৈবনি। অয় ধাতুদগী অয়ন শব্দ থোকই; মরম অসিনা অয়ন-শব্দগী অর্থদি—খঙবা নত্রগা উবা হাঙ্গৈবনি। অখিল—লোকী (নার-গী) মতম শুম্‌মগী থবক শঙ্গী উই (অয়ন) হাঙ্গৈহুনা অখিল-লোকসাক্ষীনি, মহাকপক্তা নারায়ণনি শ্রীকৃষ্ণনা অখিল-লোকী মতম অদুমদা তৌবা থবক্কী সাক্ষীনি হাঙ্গৈহুনা নারায়ণ কৌই। ব্রহ্মানা মপুক্কী অমুক চিংনবা অমা পোক্লে, মহুদি পরমাত্মাদি নারায়ণ কৌবা য়াবনি, নংনা ঐঙোন্দা করিগী নারায়ণ হাঙ্গৈরিবনো? হ ঙৈন শ্রীকৃষ্ণনা করিগুম্বা হংলকপা থোক্লবদি করি খুমঙগ থন্‌বনা ব্রহ্মানা হাঙ্গৈরকই—"নারায়ণ হক্ষ, নরভুজলায়নাৎ"। নর—বিষ্ণু। নরভু—নর (বিষ্ণু) দগী পোকপা, থোবপা।

অস্যার্থ :—

শিশু-বৎস হরি ব্রহ্মা করি অপরাধ।
অপরাধ ক্ষমাইতে মাগেন প্রসাদ ॥২২
তোমার নাভিপদ্ম হৈতে আমার জন্মোদয়
তুমি পিতা-মাতা আমি তোমার তনয় ॥২৩

অর্থ :—

ব্রহ্মানা অঙাং-যম্নাও হুরুবগী মরান'হু।
কৃষ্ণবা ঙাকপীনবা হাঙৈজে লান্থিবা অহু ॥২২
ইবুংঙোগী খোইদৌ-থম্বান্দগী ঐ পোকপনি।
নংনা ইমা-ইপানি ঐহাক মংগী নচানি ॥২৩

গৌর-কৃপা টীকা

নরভুজলায়নাৎ—নরভু ('বক্ষুরগী পোকপ জীব নত্রগা জীবগী থমোই) অমসুং ঈশিংদা অয়ন (আশ্রয়, লৈফম)—নরভু জলায়ন নরভুজলায়নাৎ হাঙৈবদি জীবগী থমোইদা অমসুং ঈশিংদা লৈ হাঙৈত্তনা মহাকপু নারায়ণ হাঙৈনা খঙনৈ, নারায়ণ অহু নংগী (কৃষ্ণ নংগী) হকচাংনি নশানি (অংশনি), মতুং কৃষ্ণ নংনা মহাকী মশানি (অংশীনি, থোরককম্নি)। অংশগা অংশীগা অমত্তনি, থেং বা মরম্না, কৃষ্ণ নংগা নারায়ণগ মশা অমতনি, শ্রীকৃষ্ণনা মকর খুদিংদ শিন্থংনা লৈবগুম্না নারায়ণসু লে। নারায়ণ য় মায়াগী পোৎ নত্তে। "তচ্চাপি সত্যং ন তবৈব মায়া—নংগী অংশ নারায়ণ মহাকসু সচ্চিদানন্দনি, সত্যনি, মফম খুদিং শিন্থংনা লৈবনি, মায়াগী পোৎ নত্তে।"

২২। "নারায়ণস্ত্বং" নচিবা শ্লোকী অর্থ পয়ার ২২-২৫ দা লৌরি। অঙাং-যম্নাও—গোপ অাংঙা পোকপা নত্রবা অমসুং যম্নাও মচা; শ্রীকৃষ্ণগ লোঈননা মাগী মমাম্বা গোপগী অঙাং পুম্নমক থন লেম্লম্মা, মথোঙ্গ অহুবু থোঙ্গনা লেনগে হাঙৈহুনা পুম্বা যম্নাওশিং অহুবু। ঙাকপীনবা— শ্রীকৃষ্ণনা ঙাকপীনবা হাঙৈজে।

শ্রীকৃষ্ণগা লোঈননা গোপগী অঙাংমচাম মণ লেম্লম্মী; মথোঙ্গ খুদিংমকী যম্নাও কয়া কয়ামুক লৈরম্মী ব্রহ্মানা গোপগী অঙাং পুম্নমক অহুগা যম্নাও অহুগা হুরাম্লম্মী, মতুংনা মানা তারবা নংক অহু লাক্লে হাঙৈবা থৌলক্লবা মতমদা, শ্রীকৃষ্ণগী চরণা কৃপা ভিক্ষ তৌরম্মী নহাকী মরান অহু ঙাকপীনবগীদমক পয়ার অসি ব্রহ্মাবগী উজিনি।

২৩। পয়ার অসিনা ব্রহ্মানা হাঙৈরবনি। ইবুংঙোগী—শ্রীকৃষ্ণগী। খোইদৌ থম্বাল—নারায়ণগী খোইদৌদা লৈবা থম্বাল। পোকপনি—থোরকপনি। শ্রীকৃষ্ণনা মু শিথিনবা হায়হুনা ব্রহ্মানা হাঙৈরকই, "হে শ্রীকৃষ্ণ! নহাকী খোইদৌ-থম্বান্দগী ঐহাক

পিতা-মাতা বালকের না লয় অপরাধ।
অপরাধ ক্ষম—মোরে করহ প্রসাদ ॥ ২৪
কৃষ্ণ কহেন—ব্রহ্মা তোমার পিতা নারায়ণ।
আমি গোপ, তুমি কৈছে আমার নন্দন ॥ ২৫

অর্থ :—

নচাগী মরান্ লৌবিগনু মমা মপানা।
ঐনা লানখিবা ভাকপিয়ু কৃপা তৌবিয়ু ॥ ২৪
কৃষ্ণনা হাঈ—ব্রহ্মা নংবু পোকৃপদি নারায়ণ।
ঐদি গোপনি করম্না ঐগী ইচা ওইগনি ॥ ২৫

গৌর-কৃপা টীকা

পোকপানিনা ইবুংগও নংনা ঐগী ইপাসু ওইরে, ইমাসু ওইরে; ঐহাক নগী নচানি " "নারায়ণস্ত্ব" নচিংনা শ্লোকী মংগী শ্লোকা ব্রহ্মানা হাঈরম্মী—"জগদ্বাস্তোদধি ং-প্রবোদে নারায়ণস্য দরনা জিনাল ং। বিনির্গতোহজস্ত্বিতি বাঙ্ন বৈ মৃষা কিন্তিশ্বর ত্বন্ন বিনির্গতোহস্মি। শ্রীভা ১০। ১৪। ১৩॥" শ্লোক ওসিগী মর্মাদ পয়ার অসুনা ফাংদোক্কে

২৪। ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণনা হাঈরকই—"হে শ্রীকৃষ্ণ! নহাক্ ঐগী পানি, নহাক্ ঐগী ইমানি; ঐ নহাক্কী নচানি। অপঙ্বা মচাদি মম-মপাগী শক্মদা কয়াম্ক লাম্না লৈবিবনি। মমা-মপানা লাল্লিবা মচাবু দণ্ড পীবা ও য়বনি; তৌইগুম্বসু মুংশিবিবা মরম্না দণ্ড পীবিদবনা মচাবু ভাংপী হে খোজাল ঠৈবা শ্রীকৃষ্ণ! নংনা কৃপা তৌবিয়ুনা পঙলবা নচা মরান লৈরবা ঐবু ভাকপীথু হাঈতুন। ইবুংঙোগী শ্রীচরণ। থুকমুজরি।"

২৫। ব্রহ্মাগী ৱা তাগা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, "ব্রহ্মান্! নংদি ঐবু নংগী মম-মপানি হাঈরি, নংবু ঐগী ইচানি হাঈরি, ঐগী খোইদো থম্মান্দগী পাকপানসু চাঈরি, মতুং করম্না থাজসিগে? নংদ নারায়ণগী খোইদো থম্মান্দগী পোকপ্না হৈনা থাইনা হাঈনৈ ঐদি নারায়ণ নত্তে, গোপ শগৈগী-মচাগী—মশেম্মনা অমনি; ঐন মতৌ করম্না নংগী মমা-মপা ওইগা লাগদগে?

অসুম্না শ্লোকী ব্যাখ্যা হৌরম্বগা মতুংগী পয়ার পুম্মক্ক ব্যাখ্যা তৌগনি।

ব্রহ্মা বলেণ—তুমি কি না হও নারায়ণ ? ।
তুমি নারায়ণ, শুন তাহার কারণ ॥ ২৬
প্রাকৃতাপ্রাকৃত—সৃষ্ট্যে যত জীব—রূপ ।
তাহার যে আত্মা তুমি মূল—স্বরূপ ॥ ২৭

অর্থ :—

ব্রহ্মানা হাঈ নহাকপু নত্রবরা নারায়ণ ? ।
তাবিযু মচুগী মরম নংনা ওইবা নারায়ণ ॥ ২৬
প্রাকৃত অপ্রাকৃত সৃষ্টিগী জীবশিংগী ।
আত্মা অদু খোরকুপনি মরূ নংগোন্দগী ॥ ২৭

গৌর-কৃপা টীকা

২৬। ব্রহ্মানা হাঈরকই—"হে শ্রীকৃষ্ণ ! নারায়ণনা ঐগী ইমা-ইপানি হাঙ্গনা ইবুংঙোনা ভাকপীরিবা অসি, নারায়ণ হাঙ্গবসিবু ইবুংঙো নং নত্তবরা ? থাঙ্গেশেংবা নারায়ণ্ডি ইবুংঙো নংমক্তি ; মচুগী মরম হন্নচরি তাবিযু ! পয়ার অসি শ্লোকক্তা য়াওরিবা "নারায়ণস্ত্বং ন হি" হাইবে পরেং মত্তেক অসিগী অর্থনি ।

২৭। পয়ার অহুমদা শ্লোকক্তা য়াওরিবা "সর্ব্বদেহীনামাত্মা অসি" হাইবে খরা অসিগী অর্থ তৌবনা শ্রীকৃষ্ণনা মরূ ওইবা নারায়ণ্ণা হাঙ্গবত্তু প্রমাণ তৌজরি । প্রাকৃত অপ্রাকৃত সৃষ্টি—প্রাকৃত সৃষ্টি (অচম্বা মায়া সংসার শেম্বা) অমসুং অপ্রাকৃত সৃষ্টি (অশি-অনা চংদবা ধাম শেম্বা) ; প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ড অমসুং অপ্রাকৃত ভগবদ্ধাম । অপ্রাকৃত সৃষ্টি হাঙ্গবসি অপ্রাকৃত ভগবদ্ধামবু খকনৈ ; মরমদি, ভগবদ্ধামদি নিত্যনি, অশেম্বা পোৎ নত্তে । জীবশিংগী—জীবা লৈরিব মখৈগী । জীব মখল অনি খোক্না লৈ—মাচানা পুন্দুনা লৈবা সংসারী জীব অমসুং মায়ানা চংবিত্রবা থাদোকপিরবা নিত্য জীব; নিত্য মুক্ত জীবদি ভগবৎকী লোঈনবগী মসুং চন্নী । মায়াগী মসুংদা লৈন-লৈন সাধন তৌরগা সিদ্ধ ফংলগা অপ্রাকৃত (অশি-অনা চংত্রবা) ভগবদ্ধামদা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফংবা ঙম্মী । মতাং অসিদা প্রমাণ ওইনবা সাধক-বইগারদগী মত্তেক খরা লেঙ্চরি । অপ্রাকৃত ভগবদ্ধাম শ্রীবৃন্দাবনদা নিত্য লীলাগী মসুংদা অশি-অনাবনচিংবগী অরাবা লৈতে, মতম পুম্নমক্তা মুংঙাইহুনতা লৈ হাঈনা শাস্ত্র খিবিক্না লীংখানরি ; তৌইগুমসুং পাপ লৈরিবা ঐখোইনা (চর্ম্মচক্ষুনা) লৌকিক য়েংবদা উবা ফংলিবা বৃন্দাবন অসিদি অশি-অনাবগী অরাবা লৈবা উই অমসুং মতম—পুম্নমক্তসু মুংঙাইহুনা তাক্তা লৈব উদে ; অদুনা করি মরমগীদমক করম তৌহুনা, মী থাই পুম্নমক্তা চংলুরহুনা অশি-অনাবগী অরাবা থেংনরক্লবা লৌকিকী বৃন্দাবন অসিবু অশি-অনাগী অরাবা চংদে লৈতে হাঙ্গরিবনো ? মসিগী পাওখুমদি অসিনি—ব্রজবাসীশিংগী মসুংদা অশিবা

পৃথ্বী যৈছে ঘটকুলের কারণ—আশ্রয়।
জীবের নিদান তুমি—তুমি সর্ব্বাশ্রয় ॥ ২৮

অর্থ :—

চকুগী খোরকুকম্ মপা লৈবাক ওই'গুমা।
জীবগী খোবুকম চংজকম্ মপা ওই নহাক্না ॥ ২৮

গৌর-কৃপা টীকা

অনাবা উবিবা অহু অশিবা অনাবা নত্তে। কনাগুম্বা বজবাসী অমতা শিদে নাদে। বহির্মুখশিংদা (ভক্তিদা মুপ্‌ত্রিবা মীশিংদা, মপানগী মীশিংদা) শ্রীবৃন্দাবন বাসীশিংগী মঙ্গংদা অশি-অনা লৈবা উহল্লবদি মথোঙ্গী পুম্নমক্না পাক্ত-চেৎলাক্নুনা অরাপ-অরাম্বা লৈবাকগী মী লাক্নুনা অময় ভাক্তা ওইনবগীদমক্ (শিদনবগীদমক) লৈনরগদোরিবনি, অচুম হাঙ্গনা শীবৃন্দাবন্দা ফৌররবদি ভক্তিগী বজবা চাওখৎপা মাওপ্রগনি, ভক্ত লৈত্রবা মপানগী মীশিং (বহির্মুখ ওইব মীশিং) সু মশক খঙ্গরোই। মরম অসিনা অখম্নবা ভক্ত খরবু তকুলনগে হাঙ্গবগীদমক শ্রীব্রজদা মায়িক জন্ম মৃত্যু (সংসার মায়াগী অশি-অনা) উহল্লিবনি। ব্রজবাসী অমসুং ব্রজধামু হচম্-চল্লান হাঙ্গনা খল্লবদি কবিশুম্বা মতমদা ফাত্তি শ্রীকৃষ্ণ মংবা ওমদে। অংশ নিংথোনা শ্রীকৃষ্ণবু হচম-চম্বা মীনি হাঙ্গনা খল্লুবগী অয়েম্বদা মপুক্কি লোইদনা খা তপ্ত মথব গ খাথি। শ্রীগুরু নরোত্তম ঠাকুর মহাশয়না শ্রীবৃন্দাবনবু অচম্বা নত্তে (অপ্রাকৃতনি) হাঙ্গনা খনবদগী ধশিব-অনাবা কাখদে পাবা মকক খওথিদরে। গঙ্গাদা ঈক্রজবদগী মশা ভক্ত শঙ্গোম ওল্লুন মহি ওইনা চেম্থ

আত্মা—মফম খুদি দা শিন্নুংনা লৈবা পোৎ (সর্ব্বব্যাপক বস্তু) জীব পুম্নমক্কী আত্মাদি শ্রীকৃষ্ণনি। মহাক্কা জীব পুম্নমক্কা চংহুনা আত্ম ওইহুনা লৈ। পয়ার অসিদগি আত্ম-শব্দগী মরু ওইবা অর্থদি (তাৎপর্য্যদি) আশ্রয় চাকম হাঙ্গবনি, "আত্ম—শব্দে কহে কৃষ্ণ বৃহত্ত্ব স্বরূপ। সর্বব্যাপক সর্ববসাক্ষী পরম স্বরূপ ॥ ২।২৪।৫৬ ॥

আত্মা—শব্দগী অর্থ অননা হকচাংত্নু ওই, জীবগী আত্ম—জীবগী হকচাং। মরু নংওোম্বগী—মরু ওইবা মচাক নংওোম্বগী; জীবগী মশক অংস শ্রীকৃষ্ণগী যাম্না কুপথ্রবা অংশ শরুক মচেৎ অমনি হাঙ্গহুনা জীবগী মরু ওইবা অংশীদি শ্রীকৃষ্ণনি। জীবগী উপাদান কারণসু শ্রীকৃষ্ণনা ওই হাঙ্গহুনা শ্রীকৃষ্ণনা জীবগী মরুওইবা উপাদানি (চাকি)। "প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কা প্রাকৃত জীব ময়াম লৈ অমসুং অপ্রাকৃত ভগবদ্ধামদা অপ্রাকৃত নিত্যমুক্ত অমসুং সাধনসিদ্ধ জীব লৈ; হে শ্রীকৃষ্ণ। নংনা মথোঙ্গী পুম্নমক্কী" মরু ওইবা কারি (উপাদাননি) অমসুং মরু ওইবা আশ্রয়নি (চংজকনি)। মতুংগী পয়ারদা থুদম অমসুং পীরক্কনা উচনি।

'নার'—শব্দে কহে সর্ব্বজীবের নিচয়।
'অয়ন'—শব্দেতে কহে তাহার আশ্রয়॥ ২৯

অর্থ ঃ—

'নার'গী অর্থদি জীব পুম্নমকপু খঙনৈ।
'অয়ন' শব্দগী অর্থনা চংজকপু খঙনৈ॥ ২৯

গৌর-কৃপা টীকা

২৮। লৈবাক্লা—পৃথিবীনা। চকুগী—চফু পুম্নমক্কী; লৈবাক্লা শাবা পোৎ পুম্নমক্কী। চংজকম্ মপা—কারণ অমসুং আশ্রয়। কারণ মখল অনিনি—নিমিত্ত কারণ অমসুং উপাদান কারণ; কম্রিগুম্বা পোৎ অমনা কম্রিগুম্বা পোৎশক্ অমা শাবদা মচাক ওইনা চংলিবা পোৎ অদুবু শাম্রিবা পোৎশক্ অদুগী উপাদান কারম্নি (মচাক্কী মপানি); মহুদি, লৈবাক অসি ঘট (চফু) গী উপাদান-কারম্নি (মচাক্কী মপানি)। অদুগা পোৎশক্ থোক্লবা শাম্রিবা মী অদুমা, পোৎশক অদুগী (শেম্বিবা মপা) নিমিত্ত কারণ কৌই। পয়ার ৮৫ গী টীকাদা য়েংবিয়ু)। মহুদি চফুশাবনা চফুগী নিমিত্ত কারণ ওই। পৃথিবী অসি চফু পুম্নমক্কী উপাদান কারম্নি (মচাক্নি)। লৈবাক্লা শাবা চফু পুম্নমক অদু পৃথিবী মথক্তা লৈ; মরম অদুনা পৃথিবীবু চফু পুম্নমক্কী চংকম্নি (আশ্রয়নি) নত্রগা তুঙকম্নি। জীবকী মপা—জীব পুম্নমক্কী মপা। মপা হায়রগা উপাদান কারণ অমসুং নিমিত্ত কারণ অনীমকপু খঙনরবস্থ পৃথিবীগী খুদম অসিদা উপাদানবুদা খঙনকম থোকই। চংজকম্—জীব পুম্নমক্কী চংজকম।

ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণদা হায়রম্মী—"চফুগী, মচাক অমসুং আশ্রয় পৃথিবীনা ওইবগুম্না জীব পুম্নমক্কী মচাক (উপাদান) অমসুং আশ্রয় নংনা (শ্রীকৃষ্ণনা) ওই। মতৌ অসুম্না "সর্ব্বদেহিনাং আত্মা" বাহৈ অসিগী অর্থ ওইরে—"জীব পুম্নমক্কী থোককম (মচাক, উপাদান) অমসুং আশ্রয় (চংজকম) ওই।" অদুদগী শ্রীকৃষ্ণনা মতৌ কয়ম্না নারায়ণ ওইবগে হায়বস্থ মথংগী পয়ারদা উচ্চরি।

২৯। নারায়ণ শব্দগী অর্থ তৌজরি। 'নার' অমসুং 'অয়ন' শব্দ অনি অসি পুনশিন্নগা নারায়ণ থোকই। নার শব্দগী অর্থনা জীব পুম্নমক হায়বনি; অদুগা অয়ন শব্দগী অর্থনা চংজকম্ হায়বনি। জীব পুম্নমক্কী চংজকম্ অদুবু নারায়ণ কৌই। মথক্কী পয়ারশিং অদিদা উবা ফংভি, শ্রীকৃষ্ণনা জীব পুম্নমক্কী চংজকম্নি। মরম অদুনা নারায়ণ অশেংবা মকোক্তি শ্রীকৃষ্ণনি।

অতএব তুমি হও মূল নারায়ণ।
এই এক হেতু, শুন দ্বিতীয় কারণ ॥৩০
জীবের ঈশ্বর পুরুষাদি অবতার।
তাহা-সভা হৈতে তোমার ঐশ্বর্য্য অপার ॥৩১

অর্থ

মরম অসিনা নারায়ণ মরু ওইরি নংনা।
মথংদা অনিশুবা মরম তাবিয়ু নংনা ॥৩০
জীবগী ঈশ্বর—পুরুষনচিংবা অবতার।
নংনা ঐশ্বর্য্য হেন্নৌ ময়ামদগী অবতার ॥৩১

গৌর-কৃপা টীকা

৩০। মরম অসিনা মথক্কী পয়ারদা হাঙ্গিরিবসিগী মরম মতুং ইন্না। নংনা—শ্রীকৃষ্ণনা। নারায়ণ মরু—জীব পুম্নমক্কী চংজফম হাঙ্গিহনা শ্রীকৃষ্ণবু মরু ওইবা নারায়ণ কৌই। মথংদা শ্রীকৃষ্ণনা মরুওইবা নারায়ণনি, মাসিনা মরম অমনি, মথংদা। অনিশুবা মরম—শ্রীকৃষ্ণনা মরু নারায়ণ ওইবগী অনিশুবা মরম। (মতুংগী পয়ার অহুমদা ফোংদোক্লি)।

৩১। হৌজিক শ্লোক্কা মাওঙরবা "অধীশ"কী অর্থ তৌজরি। অধীশগী অর্থদি—ঈশ্বর পুম্নমক্কী মপু হাঙ্গিবনি। শ্রীকৃষ্ণনা ঈশ্বর পুম্নমক্কী মপুনি হাঙ্গিবহু পয়ার অহুম অসিদা উৎলগা মহাক্কা নারায়ণ ওইবগী য়া ফোংদোকচরি।

জীবগী ঈশ্বর—জীবগী মবুংতো, প্রভু; জীব পুম্নমক্কী সৃষ্টি-স্থিতি—প্রলয় কর্ত্তা। পুরুষনচিংবা অবতার—অবতার তৌরিবা নীপানচিংবা; কারনার্ণবশায়ী অহানবা নীপা, গর্ভোদশায়ী অনিশুবা নীপা অমসুং ক্ষীরোদশায়ী অহুমশুবা নীপা। মখোয়শিং অসি থাদেশংনা ব্রহ্মাণ্ডগী সৃষ্টি অমসুং পালন (চাকথা) কর্ত্তানি (মপুনি); মরম অসিনা থাদেশংবা মখোয় অসি ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা জীবশিংগী (পুম্নমক্কী) ঈশ্বরনি; মখোয় পুম্নমক অসি শ্রীকৃষ্ণগী অংশ অবতারনি। অবতার ময়ামদগী পুরুষনচিংবা অবতারদগী। ঐশ্বর্য্য—মগুণ, থুহুম চনবা ওথা শক্তি, তৌবঙম্বা; ঈশ্বরগী শক্তি। অবতার পুম্নমক্কী শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য শক্তিনা য়াম্না হেন্নৌ।

অতএব অধীশ্বর তুমি সর্ব্বপিতা।
তোমার শক্তিতে তারা জগত রক্ষিতা ॥৩২
নারের অয়ন যাতে করহ পালন।
অতএব হও তুমি মূল নারায়ণ ॥৩৩
তৃতীয় কারণ শুন শ্রীভগবান—।
অনন্ত ব্রহ্মাণ্ড বহু বৈকুণ্ঠাদি ধাম ॥ ৩৪

অর্থ :—

অদুনা নংনা মপূনি ময়ামগী মপানি।
নংগী শক্তিনা মখোইনা জগৎপু ঙাকপনি ॥৩২
জীবগী আশ্রয় ওইবনা ঙাকপিবসু ওইরি।
মরম অসিনা নারায়ণ মপু নংনা ওইরি ॥৩৩
তাহিয়ু ভগবানগী মরম অহুম শুবা।
অনন্ত ব্রহ্মাণ্ড বৈকুণ্ঠ ধাম অয়াম্বা ॥৩৪

গৌর-কৃপা টীকা

৩২। ময়ামগী মপা—অবতার পুরুষকী মপা হাইবদি হৌরকফম্ মক। শ্রীবৃন্দাবন-চন্দ্রদি অবতার নত্তে, অবতার পুরুষক অসি মহাক্না পুথোকপনি মাঙোন্দগী থোরকপা অংশ (মচেৎ) ওক্লনি; মপুং ফাবনা মহাক্কি হায়দুনা মহাকপু পুরুষকী মপানি হাইরিবনি।

নংগী শক্তিনা—শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিদগী অবতার পুরুষক অসীনা জগৎপু শেম্বা অমসুং ঙাকপগী থবক তৌই। মরম অসিনা অবতার পুরুষক্তগী শ্রীকৃষ্ণনা তৌবঙম্বা (ঐশ্বর্য্য) য়াম্না হেন্থরে; মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণ অসি মখোইগী ঈশ্বরনি অমসুং মপুনি।

৩৩। অয়ন—শব্দগী অর্থদি আশ্রয় (চংফম) ওইরবসু চংফম্পিনরিবা মপু অদুনা ঙাকপিবগী থবকসু তৌই হাইবা থক্তনৈ।

নার-গী অর্থ জীব পুরুষকী। অয়ন—ঙাকপিবা, য়োকপিবা। জীব পুরুষকপু ঙাকপি-য়োকপি হাইদুনা অবতারশিং অসি নারায়ণনি; অদুগা অবতার পুরুষক অসিবু ঙাকপি-য়োকপি হাইদুনা শ্রীকৃষ্ণনা নারায়ণ মপু (কর্ত্তা) ওই। অবতার পুরুষক্তা শ্রীকৃষ্ণনা শক্তি পীদুনা জীব-জগৎপু ঙাকপি-শেমবিবগী থবক তৌহল্লী হাইদুনা শ্রীকৃষ্ণনা ঙাকপিবগী মরুনি হাইবদি নারায়ণ মরুনি। অহানবদা অয়নগী অর্থ "আশ্রয়" (চংফম) অমসুং অনিশুবদা অয়নগী অর্থ "পালন" (ঙাকপিবা) ওইহল্লে।

ইথে যত জীব,—তার ত্রৈকালিক কর্ম্ম।
তাহা দেখ, সাক্ষী তুমি, জানসব মর্ম্ম ॥ ৩৫
তোমার দর্শনে সর্ব্বজগতের স্থিতি।
তুমি না দেখিলে কারো নাহি স্থিতি গতি ॥৩৬

অর্থ:—

মাহুদা লৈবা জীব মখৈশী থবক ওয়া।
পুম্নমক উবিবনি খঙবিরিবনি নংনা ॥৩৫
নংনা য়েংবিবনা জগৎ পুম্নমক লৈবনি।
নংনা য়েংবিদ্রবদি কনাসু লৈরোইদবনি ॥৩৬

গৌর-কৃপা-টীকা

৩৪—৩৫। মরুম অসুম ওবা—শ্রীকৃষ্ণনা নারায়ণ ওইবগী মরম অদুমওবা। ৩৪-৩৭ পয়ারদা শ্লোক্তা য়াওরিবা "অখিল-লোকসাক্ষী" শব্দগী অর্থ তৌবদা শ্রীকৃষ্ণনা নারায়ণ ওইবগী ভাব ফোংদোক্লি। পয়ার খরা অসি ব্যাখ্যা হাঙ্গৈবনি বৈকুণ্ঠধাম অমাম্বা—বৈকুণ্ঠনচিংবা মশিং নাইদবা ধাম। মাহুদা মশিং নাইদবা ব্রহ্মাণ্ডদা অমসুং মশিং নাইদবা ভগবৎধামদা। জীব মখৈ—অনন্ত ব্রহ্মাণ্ডদা মায়াগী মনুংদা লৈরিবা জীব মখৈ অমসুং অনন্ত ভগবদ্ধামদা মায়া কোক্রবা জীব মখৈ অর্থ অসি শ্লোকতা য়াওরিবা "অখিল লোক" শব্দগী অর্থনি। থবক ওয়া মতম পুম্নমক্তা তৌবা থবক ওয়া হাঙ্গৈবদি ভূত, ভবিষ্যৎ, বর্তমান মতম অহুম অসিদ তৌবা থবক ওয়া। মায়াগী মনুংদা লৈরিবা মায়া কোক্রবা জীব পুম্নমক্তা তৌবা থবক পুম্নমক। উবিরিবান খঙবিরিবান জীব পুম্নমক্তা মতম অহুমদা তৌবা থবক পুম্নমক নংনা খঙনা অমসুং পুক্নিং নীংদ থীবিরবা থবক ফোংদোক্তুবা অদু পুম্নমকসু নংনা খঙবিরিবনি; মরম অদুনা নংনা জীব পুম্নমক্কী পুক্নিংগী নওগা সাক্ষীনি। পয়ার অসিদা শ্লোক্তা য়াওরিবা "অখিল লোকসাক্ষী"গী অর্থ লোইখ্রে।

৩৬ শ্রীকৃষ্ণগী কৃপাগী মিৎয়েংনা জগৎ অমসুং জগৎতা লৈরিবা জীব পুম্নমক্কী হিংননবগী উপায় লৈতে; জগৎ জাকপিগে হাঙ্গৈবীদমক শ্রীকৃষ্ণনা জীবগী মতম অহুমগী থবক্লাংবদা য়েংবিরি।

নাম-বু—জীব পুম্নমকপু। অয়ন—উবা, য়েংবা, খঙবা জীব পুম্নমকপু য়েংবিদুনা লৈরিবা অবতারশিংবুসু যোবিরি হাঙ্গৈদুনা শ্রীকৃষ্ণবু নারায়ণ কৌই। মাসিনা অসুম ওবা মরমনি।

নারের অয়ন যাতে কর দরশন।
তাহাতেও হও তুমি মূল নারায়ণ ॥৩৭
কৃষ্ণ কহেন—ব্রহ্মা তোমার না বুঝি বচন।
জীব হৃদি জলে বৈসে, সে-ই নারায়ণ ॥ ৩৮

অর্থ :—

নারবু আয়ন মাহুদস্থু নংনা য়েংবিবনি।
মাহুদস্থু নংবু নারায়ণ মরু হাঙৈবনি ॥৩৭
কৃষ্ণনা হাঙৈ—থওবা ওয়দে ব্রহ্মা নংগী ৱা'হূ।
জীবগী থমোই-ঈশিংদা লৈবা নারায়ণ'হূ ॥ ৩৮

গৌর-কৃপা টীকা

৩৭। অপূম্না হংবা য়াই, কারনার্ণবশায়ী পুরুষনা (নীপানা) প্রকৃতিদা মিয়েং তাবদা সৃষ্টি-শক্তি চাওখংলক্তুনা ব্রহ্মাণ্ডনচিংবা শেম্মী, অদুগা গর্ভোদশায়ী অনিশুবা পুরুষ (নীপা) না ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগী অন্তর্য্যামীনি অমসুং ক্ষীরোদশায়ী অহুমশুবা পুরুষনা জীব খুদিংমক্কী অন্তর্য্যামী সাক্ষীনি মরম মসিনা ব্রহ্মাণ্ডগী অমসুং জীবগী য়েংবিরিবা অইবা সাক্ষীনি হাঙৈদুনা অদুগা মথোঙৈগী মিংয়ুংবা ব্রহ্মাণ্ডগা জীবগা লৈননবগী মরমি হাঙৈদুনা অবতার পুরুষশিং অসি নারায়ণনি, কিবম অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা করম্না নারায়ণ ওইগদগে ? হাংং অসিগী পাওখুমদি পয়ার ৩৭ তা পীজরে।

জীব পূম্নমক্ক য়েংবিরি হাঙৈদুনা অবতার পুরুষশিং অসি নারায়ণ ওইরবসু শ্রীকৃষ্ণগী মিংয়েংদগী অবতার পুরুষশিংগী য়েংননবগী পাজল পোকই চাঙৈন্দা অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী মিংয়েং হাওরগা জগৎ শেম্বা 'য়াকৃপ-তাকৃপগী মযম্দ অবতারশিংগী করিমু পাজল লৈতে হাঙৈদুনা, মরুদদি শ্রীকৃষ্ণনা মথোঙৈগী মরুনি হাঙৈদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মরু ওইবা নারায়ণ ওইরে।

৩৮। শ্রীকৃষ্ণনা হাঙৈ কৃই—ব্রহ্মান ! নংনা হাংদিবা বা অদু ঐনা তাব তাবা ওয়দে। ঈশিংদা অমসুং জীবগী থমোইদা অন্তর্য্যামী ওইনা লৈরিবা অদুগী মমিং নারায়ণ কৌই হাঙৈবদুদি থাই পূম্নমক্সু থওপবা য়াংন, অসিদি নত্তদুনা নংনা ঐবু নারায়ণনি হাঙৈরিবসি করি মরমগীনো ?

জীবগী থমোইদা লৈরিবা মহাক অদু অন্তর্য্যামী—পরমাত্মানি। নার (জীব পূম্নমক) মাগী অয়ন (চংকম) ওই হাঙৈদুনা মহাক নারায়ণ-নি। অদুগা নার-গী অর্থ ঈশিং ; নারা (ঈশিং) অয়ন (চংকম), ঈশিংদা লৈবা মহাক অদুবুসু নারায়ণ কৌই। অবতার পুরুষনি অসি ঈশিংদা লে—অহানবা নীপা (পুরুষ) কারণগী ঈশিংদা লৈ, অনিশুবা নীপা

ব্রহ্মা কহে- জলে জীবে যেই নারায়ণ।
সে সব তোমার অংশ, এ সত্য বচন ॥ ৩৯
কারণাব্ধি-ক্ষীরোদ-গর্ভোদকশায়ী।
মায়া দ্বারে সৃষ্টি করে, তাতে সব মায়ী ॥ ৪০

অর্থ

ব্রহ্মানা হায়- ঈশিং, জীবদা লৈবা নারায়ণশু।
অদুস্মনি নংগী অংশনি, মরাম অদু ॥ ৩৯
কারনাব্ধি-ক্ষীরোদ-গর্ভোদক শায়ী।
মায়াগী পাম্বৈনা শেম্মী পুরুষক ওই মায়ী ॥ ৪০

গৌর-কৃপা টীকা

(পুরুষ) ব্রহ্মাণ্ড গর্ভগী ঈশিংদা লৈ, অদুগা অহুমশুবা মীপা (পুরুষ) ক্ষীরোদক-তা লৈ; মরম অসিনা অবতার পুরুষ অহুম অসিমু নারায়ণ-নি। নারায়ণ অদু-জীবগী থমোইদা, ঈশিংদা লৈরিবা নারায়ণ অসিদি অকাওবা, মখিং চৎপা নারায়ণ-নি। পয়ার অনি "নরভূতজলায়নাৎ নারায়ণঃ" শব্দক অসিগী অর্থনি। উদক- ঈশিং।

৩৯। ঈশিংদা জীবদা লৈরিবা নারায়ণ পুরুষক অদু অফাওবা নারায়ণনি ব্রহ্মানা হায় "হে কৃষ্ণ! কারণোদকতা, গর্ভোদক-তা, ক্ষীরোদক-তা অমসুং জীব পুরুষকী থমোইদা লৈরিবা মখোঈশিং অদু অকাওবা নারায়ণ-নি।

৪০। কারণার্ণবশায়ী নারায়ণচিংদনা করম্না শ্রীকৃষ্ণগী অংশ ওইবগে, মাদু হায়জরি, ৪০-৪৩ পয়ারদা। অংশগা অংশীগা খেন্নরিবদি অসিনি, মক্ন ওইবা মশক্তগী থাইথনবপা থরা হল্লবা শক্ক অহুবু (থরা হল্লবা শক্তি অহুবু) অংশ নত্রগা স্বাংশ কৌই। "তাদৃশো ন্যূনশক্তিং যো ব্যনক্তি স্বাংশ ঈরিতঃ। ল, ৬, ১৭।" মায়াদ্ধ পাম্বৈন-মায়া অমসুং মায়া ওইবা পোৎকী পাম্বৈনা। মায়ী-মায়াগা লোঈনবা মরী লৈবা, শ্রীভগবানগী মপান্গী শক্তিগী মখিং মায়া কৌই। মায়াদি ভগবান্দগী য়াম্না লাপ্না লৈ, কারণার্ণবগী মপান্দা লৈ। মায়া মখল অনি তাই মতুংদি-গুণ মায়া অমসুং নিমিত্ত (মপু) মায়া। গুণ-মায়া অসি মাখুক ব্রহ্মাণ্ডগী গৌণ-নিমিত্ত কারণ-নি; নিমিত্ত-কারণ মক্ন অমসুং উপাদান-কারণ মক্ননা ঈশ্বরনি (শাংনা ব্যাখ্য তৌরিব মকমদি আদিগী মতাংকন মতাংদনি)। কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা ত্রিগুণাত্মিকা প্রকৃতিদা য়েংশিন্দুনা শক্তি পীবদা তাওদুনা ময়াই কাহুনা অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ড মথং মথং শেম্মী; অনিশুবা পুরুষ-না ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগী গর্ভগী ঈশিংদা লৈ, ব্রহ্মাগী অন্তর্য্যামী ওইনা লৈ। মহাকী থোইদোক থম্বান্দগী পোকপা ব্রহ্মানা

সেই তিন জলশায়ী সর্ব্ব অন্তর্য্যামী ।
ব্রহ্মাণ্ড বৃন্দের আত্মা যে পুরুষ নামী ॥ ৪১
হিরণ্যগর্ভের আত্মা গর্ভোদকশায়ী ।
ব্যষ্টি জীব—অন্তর্য্যামী ক্ষীরোদক শায়ী ॥ ৪২

অর্থ

ঈশিংদা লৈবা অহুম'নি অন্তর্য্যামী ওাক্তনি ।
ব্রহ্মাণ্ডশিংগী আত্মা'না পুরুষ নামী-নি ॥ ৪১
হিরণ্যগর্ভগী আত্মানা গর্ভোদকশায়ীনি ।
জীব খুদিংগী অন্তর্য্যামী ক্ষীরোদক শায়ীনি ॥ ৪২

গৌর-কৃপা টীকা

জীব খুদিংমবপু (ব্যষ্টি জীববু) লেপ্পী। অহুগা অহুম গুবা পুরুষনা জীব খুদিংমক্কী অন্তর্য্যামী ওইনা জীব খুদিংমক্কী থংনাইদা লৈ, অহুগা মশক অমনা ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা ক্ষীরোদ-সমুদ্রদদা লৈ। মতো অসুম থংনাইগা লোইনবা লৈবগ", মায়াগী মপু (কর্ত্তা) ওইনা নীপা অহুমা পুরুষগী থবক পাংথোক্নই মাং গা লোয়নবা লৈ ওাইবগীদমক মায়ী হাইরুবনি। জীবগী মতোংশুম্না মায়াগী মথ পোল্লী নায়াগী মপুনি মায়াগী বাংমদা লৈবা পোংনি।

৪১—৪২। নীপা অহুম অসিগী মমু'দা কনানা কনাগী অন্তর্য্যামী ওইরিবগে হাইনহু ইজরি। শায়ী— লৈবা।

ঈশিংদা লৈবা অহু'—কারণ জলশায়ীনা অহানবা নীপানি, ব্রহ্মাণ্ড-গর্ভ-জলশায়ীনা অনিশুবা নীপানি অমসুং ক্ষীরোদশায়ীনা অহুমশুবা নীপানি, নীপা অহুম অহু অসিনি। ব্রহ্মাণ্ডশিংগী—ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কী, মায়াগী আত্মা—অন্তর্য্যামী। পুরুষ-নামী—কারণার্ণব শায়ী পুরুষ। কারণার্ণব শায়ী নীপানা ব্রহ্মাণ্ড অপুম্বগী হাইবদি মায়াগী অন্তর্য্যামীনি অমসুং মপু (কর্ত্তা) নি। হিরণ্য-গর্ভগী- ব্রহ্মাগী। গর্ভোদকশায়ী নারায়ণনা ব্রহ্মাগী অন্তর্য্যামীনি অমসুং ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগী অন্তর্য্যামীনি। ব্যষ্টি জীব—জীব খুদিংমক। ক্ষীরোদকশায়ী নারায়ণনা জীব খুদিংগী অন্তর্য্যামীনি। ইবুংঙো অহুম অসিনা ব্রহ্মাণ্ডগী অমসুং ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা জীব পুম্নমক্কী অন্তর্য্যামীনি, মখোই অন্তর্য্যামী ওাক্তনি।

এসভাব দর্শনেতে আছে মায়াগন্ধ।
তুরীয় কৃষ্ণের নাহি মায়ার সম্বন্ধ ॥ ৪৩

অর্থ :—

মখোঈ অসি য়েংবদা মায়াগা লৈনৈ মরী ।
তুরীয় কৃষ্ণদি মায়াগা লৈনদে মরী ॥ ৪৩

গৌর-কৃপা-টীকা

৪৩। ইবুংঙো অহুম অসি শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি হায়বহু উচ্চরি। মখোঈ অসি—নীপা অহুম অসি। তুরীয়—মরিশুবা, নারায়ণ অহুমগী বা হায়বা লোইরে, তুংদা মরিশুবা পোৎ কৃষ্ণগী বা হায়জরক্লি মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণবু তুরীয় (মরিশুব) হায়রিবনি।

তুরীয় কৃষ্ণদি—নারায়ণ অহুমগী বা হায়রবগী মতুংদা মরিশুবদা হায়রাক্লবা কৃষ্ণদ উপাধি (ক্রম) লৈতে। মায়াগা লৈনদে মরী—শ্রীকৃষ্ণগী করিশুম্ন লীলাদা মায়াগা মরী শুক্লৈ লৈনদে। মায়না শ্রীকৃষ্ণগী মমাংদা চচ্চবা ফাওবা ইকাইহুনা চচবা ঙমজদে। "বিলজ্জমানয়া যস্য স্থাতুমীক্ষ পথেঽমুয়া শ্রীভ, ২।৫।১৩॥" ইবুংঙো অতম অসিনা মায়াবু লেপ্পী হায়হুনা মখোদগী লীলাদা মায়াগা মরী লৈনৈ ত্তোইশুমদুং শ্রীকৃষ্ণগী করিশুম্বা লীলাদা থবক্তা মায়াগা মরী লৈনদে, অদুনা নীপাশিং অসিদি (অবতারশিং অসিদি) য়েংবদা মায়াগা মরী লৈনৈ অদুগা তুরীয় (মরিশুবা) শ্রীকৃষ্ণদি য়েংবদা মায়াগ মরী লৈনদে, মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মাহাত্ম্য মগুণগী ইবুংঙোশিং অসিগী মাহাত্ম্য মগুণা থরা হইদ্রে, মপুম্নগী মচেৎনা শক্তি থরা বাংপা ঙাক্তানি, মপুম্নগী হুম্বা শক্ক মচেৎ অদুবু অংশ নত্রগা স্বাংশ কৌই। "তাদৃশো ন্যূনশক্তিং যে ব্যনক্তি স্বাংশ ঈরীত। ল,ভা,১।" মরম অসিনা মাহাত্ম্য মগুণ হুম্বা। মরম্না নীপা অতুম অসিবু অংশ কৌই অমসুং শ্রীকৃষ্ণবু মাহাত্ম্য মপূং ফাবা মরম্না অংশী কৌই চক্ষু মগুদা লৈরিবা আকাশ অদু চক্ষুগা মরি লৈনদবা অচৌবা আকাশ অসিগী অংশনি চক্ষু মগুংগী আকাশকা চক্ষুগা মরী লৈনদবা অচৌবা আকাশকা মিং মান্নবনু জাৎ অমতা ওইরবসু চক্ষুগা মরী লৈনরুবা মরম্ন চক্ষুগী আকাশ অদু অচৌবা আকাশকী অংশ ওইয়ে, অদুগুম্ফুনা নীপা অতুম অদুগ শ্রীকৃষ্ণগা জাৎ অমত্তগী (সচ্চিদানন্দময়) পোৎ ওইরবসু মায়াগা মরী লৈনবা ইবুংঙো অহুম অদু শ্রীকৃষ্ণগা মায়াগা মরী লৈনদবা শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি।

তথাহি (ভাঃ ১১।১৫।১৬) স্বামিটীকায়াম্

বিরাট হিরণ্যগর্ভশ্চ কারণং চেত্যুপাধয়ঃ।
ঈশস্য যস্ত্রিভির্হীনং তুরীয়ং তৎ প্রচক্ষতে॥১০

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লোক। ১০। অন্বয়। বিরাট (অচৌবা হকচাং) চ (অমসুং) হিরণ্যগর্ভঃ (অপিকপা হকচাং) চ (অমসুং) কারণং (মায়া) ইতি (পুম্নমখি) ঈশস্য (ঈশ্বরগী – নীপাগী) উপাধয়ঃ (উপাধি—কম খঙনবা থবক), ত্রিভিঃ (কম অহুমসিংগা লোঈনবা) হীনং (মরী লৈতবা) যৎ (মাদু) তৎ (মাদুবু) তুরীয়ং (মরিশুবা) প্রচক্ষতে (হাঈনৈ)।

অনুবাদ। অচৌবা হকচাং, অপিকপা হকচাং অমসুং মায়া অহুম অসি ইবুংঙোগী (ঈশ্বরগী) উপাধিনি (থবক মশক খঙনবা কম্নি), অহুম অসিগা মরী লৈনদবা পোৎ অদুবু তুরীয় কৌই।১০।

বিরাট—ঐখোঈনা মিৎনা উবিবা অচৌবা জগৎ। হিরণ্যগর্ভ—অচৌবা জগৎকী অপিক্‌পা মওং; অচৌবা জগৎকী অহান্‌বা মমাংগী জগৎ ওইরম্বা অদু। কারণ—প্রকৃতি। মাসি হিরণ্যগর্ভগী মমাংগী ফিবম, উবিবা জগৎ অসিগী নত্রগা মায়াগী অচানবা মওং ফিবম। অচৌবা জগৎ, অপিকপা জগৎ অমসুং কারণ (প্রকৃতি) গী মশক ওইবা জগৎ অহুম অসিগী খুদিং মক্তা ইবুংঙো (ঈশ্বর) অমমম লৈ।

শ্লোক অসিদা তুরীয়গী মরমদা হাঈরি। অচৌবা জগৎ অপিকপা জগৎ অমসুং মায়া অহুম অসিনা মাঙোন্দা চংদবা অদুম ওইবা পোৎ অদুবু তুরীয় কৌই। মাঙোন্দা চংদবা অদুম ওইবা পোৎ অদুবু তুরীয় কৌই। সৃষ্টিগী (?লশেম্বগী) থবক অসি মায়ানা তৌবনি, মাসি ইবুংঙো অহুমগী উপাধিগী (কমগী) মথৌ থবক। অচৌবা হকচা (বিরাট) অপিক্‌পা হকচাং (হিরণ্যগর্ভ) অমসুং কারণসু (মায়াসু) ইবুংঙো অহুমগী থবক্কি কম্নি (উপাধিনি)। শ্রীকৃষ্ণজি মশামক্না লৈশেম্বগী থবক (সৃষ্টি কার্য্য) য়াওদে, মরম অদুনা মায়াগা (মায়াগী কম্ অহুম অসিগা) করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে। মরম অদুনা মাবু তুরীয় হাঈনা খঙনৈ। শ্রীকৃষ্ণজি অচৌবা জগৎলোচংবা শেম্বগী থবক য়াওদে অদুনা মহাক্কি তুরীয়নি অমসুং তুরীয়নি হাঈদুনা লৈশেম্বা য়াওরিবা নারায়ণগী অংশনি হাঈবদি চৌরক-কুম মরনি, নারায়ণ শ্রীকৃষ্ণদগী থাইথোকিবা অংশ (মচেৎ) নি।

যদ্যপি তিনের মায়া লঞা ব্যবহার ।
তথাপি তৎস্পর্শ নাহি—সভে মায়াপার ॥৪৪

অর্থ

ঈশ্বর অহুম'হুনা মায়াবু শিজিন্নবনি ।
অহুম ওইনমক্ মায়া পক্কে মায়াগী বাংমনি ॥৪৪

গৌর-কৃপা টীকা

৪৪ । মথক্কী পয়ার ৪০ দা হাঙ্গৈথরে, "পুরুষক ওই মায়া পুরুষ অহুমদি মায়াগা মরী লৈনৈ।" অদুগা অমুকন্থ "বিরাট" নচিংবা শ্লোক্তা হাঙ্গৈরি, মখোঙ্গ অসি মায়াগী থবক তৌই। অদুগা জীবন্থ মায়াগী থবক তৌই, মায়াগা মরী লৈনৈ। জীবগুম্না পুরুষ (ঈশ্বর) অহুম অসিন্থ তৌব্রা ? মখোঙ্গ অসিনা জীব ওইরবদি মতৌ করম্না অন্তর্য্যামী ওইবা য়াগদগে ? অসুম্না বাহং তৌরকপা য়াই হাঙ্গৈনা চিংনহুনা পয়া'র অসিদা হাঙ্গৈরি,— "পুরুষ অহুম অসিনা মায়াগা তিন্নহুনা (মরী লৈনহুনা) সৃষ্টি তৌই, মরম অসিনা মখোঙ্গ অসি মায়াগী থবক তৌই, অহুম ওইনমক মখোঙ্গৈদা মায়ানা শোক্পা ঙমদে, মখোঙ্গ খুদিংমক মায়াগী বাংমদা লৈবনি। জীবদি মায়াগী মখা পোল্লি। মখোঙ্গৈদি মায়াগী মখা পোন্দে হাঙ্গৈহুনা অন্তর্যামী ওইব, ঙম্মী।"

মায়াবু শিজিন্নবনি মায়াগী জগৎ শেম্মী। অহুম ওইনমক্—মায়াগা লোঙ্গৈনা জগৎ শেমহুনন্থ। মায়াগী বাংমনি—মায়ানা চংব', শোক্পা ঙমদে। ইবুংঙো (ঈশ্বর) অহুম অসি সচ্চিদানন্দ মায়ানি (মুংঙাইহুনতা লৈবনি) মখোঙ্গৈগী মশক্তি শ্রীকৃষ্ণগা থেন্নদে। "কৃষ্ণদি সূর্য্যমিৎকুম্বনি, মায়াদি অমম্বনি। কৃষ্ণ লৈবা মফমদা মায়াগী অধিকার লৈতে (মায়া চ বা ঙমদে)"। মরম অসিনা ইবুংঙো অহুম অসিবু মায়ানা শোকপা ঙমদে, মখোঙ্গ মায়াগী বাংমনি। ঈশ্বরগী অঙকপা শক্তিগী পাম্বৈনা মায়াগা লোঙ্গৈনা লৈরবন্থ পুরুষ (ইবুংঙো) অহুম অসিদি মায়ানা খুদুম চন্বা ঙমহন্দনা লৈবা ঙম্মী।

ইবুংঙো (লীলা) অহুম অসিগা জীবগা থেন্নবদি অসিনি, অহানবদা, ইবুংঙো অহুম অমত্তুং জীব, অনিমক শ্রীকৃষ্ণগী অংশ ওইরবন্থ ইবুংঙো অহুমদি শ্রীকৃষ্ণগা হেক থংনবা অংশনি, স্বাংশনি; তৌঙ্গৈগুম্বত্তুং জীবদি মহাক্কী থংনবা অংশ নত্তে, মহাক্কী মরক্তা লেবা জীব শক্তিগী অংশনি। অনিশুবদা, জীবদি মায়াগী মখা পোল্লী, তৌইগুম্বত্তুং ইবুংঙো অহুমদি মায়াগী বাংমনি। অহুমশুবদা, মখোঙ্গ অহুমদি সৃষ্টি শক্তি ঙম্মী, জীবদি ঙমদে। মরিশুবদা, জীবগী মশক্তি য়াম্না কুপ্পী (পিকই), তৌইগুম্বত্তুং ইবুংঙো অহুমদি শ্রীকৃষ্ণগী স্বাংশ স্বরূপনি হায়রহুনা মশক মপুং ফায়। (দ, ভা, পু। (৪৪/৪৫)

তথাহি (ভাঃ ১।১১।৩৯)

এতদীশনমশস্য প্রকৃতিস্থোহপি তদ্গুণৈঃ।
ন যুজ্যতে সদাত্মস্থৈর্যথা বুদ্ধি স্তদাশয়া ॥ ১১।

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লোক। ১১। অন্বয় ; ঈশস্য (ঈশ্বরগী) এতৎ (মসি) ঈশনং (ঐশ্বর্য্য) ; [কিংতৎ ঈশনং] (ঐশর্য্য অদু করিনো) ? প্রকৃতিস্থঃ (প্রকৃতিদা লৈরগা হাঈবদি মায়াদা লৈরগা) অপি (অমসুং) তদগুণৈঃ (মায়াগী গুণ অরাবা মুংঙাইবনা) সদা (মতম লৈবা খিবিক্তা' [ন যুজ্যতে] (তিন্নদে, শৌরুদে) ; যথা (অদুম্না) তদাশ্রয়া (ভগবত্তা চংজবা) বুদ্ধিঃ (বুদ্ধি-পুকচেল) আত্মস্থৈঃ (হকচাংদা লৈরিবা অরাবা-মুংঙাইবনচিংবনা) [ন যুজ্যতে] (তিন্নদে)।

অমদি,

ঈশস্য (ঈশ্বরগী) এতৎ (মাসি) ঈশনং (ঐশ্বর্য্য) ; [কিংতৎ ঈশনং] (ঐশ্বর্য্য অদু করিনো)? তদাশ্রয়া (প্রকৃতিগা তিন্নরিবা—মায়াগা তিন্নরিবা) বুদ্ধিঃ (বুদ্ধি-পুকচেল) আত্মস্থৈঃ (হকচাংদা লৈরিবা—মুংঙাইবা অরাবনচিংবা) [গুণৈঃ] (গুণা) যথা (অদুম্না) যুজ্যতে (তিন্নে), প্রকৃতিস্থোহপি (প্রকৃতিগী—মায়াগী মরুংদা লৈরবসু) [ঈশঃ] (ঈশ্বর) তদ্গুণৈঃ (প্রকৃতিগী গুণগা লোঈননা) [তথা] (মতৌ অদুম্না) ন যুজ্যতে (তিন্নদে)।

অনুবাদ। (চংশোইব বৈষ্ণবশিংগী) বুদ্ধি-পুকচেল ভগবান্দা লুপ্তনা লৈবা অদু হকচাংগী মরুংদা লৈরবসু হকচাংগী অরাবা মুংঙাইবনচিংবা গুণগা তিন্নদে, শোরুদে, অদুগুমহনা ঈশ্বরনা মায়াদুগী চংদুনা লৈরবসু মায়াগী গুণগা লোঈননা তিন্নদে (শোরুদে)— মাসি ঈশ্বরগী ঐশ্বর্য্যনি।

অমদি,

(সাধারণ জীবগী) হকচাংদা লৈরিবা বুদ্ধি অদু হকচাংগী মুংঙাইবা অরাবগা তিন্নে, অদুগুমহনা ঈশ্বরদি মায়াগী মরুংদা লৈরবসু মায়াগী গুণগা লোঈননা তিন্নদে (শোরুদে)— মাসি ঈশ্বরগী ঐশ্বর্য্যনি (অতকৃপা তৌত্তবনি)। ১১।

ঈশনং—ঐশ্বর্য্য, ঈশ্বরগী শক্তি।

তদাশ্রয়া বুদ্ধি—অথোইবা বৈষ্ণবশিংগী ভগবান্দা লুপ্তনা লৈরিবা বুদ্ধি ; নত্রগা মায়ানা পুন্দুনা লৈরিবা জীবগী মায়াগা লোঈনবা বুদ্ধি।

মথক্কী ৪৪ শুবা পয়ারদা হাঈজগরে, মায়াগা তোংননা লৈমিন্নরবসু ঈশ্বর অদুম অসিদি মায়ানা কুপ্পা ঙমদে, শ্লোক অসিদা মসুগী মরম উৎলি। বাখলা লাক্তা কংদবা ঈশ্বরগী শক্তি হাঈববু, মায়াগী মরুংদা লৈরবসু মায়া অদুদা পুক্নিং চংতদে—মায়ানা মাবু

সেই তিনজনের তুমি পরম আশ্রয়।
তুমি মূল নারায়ণ-ইথে কি সংশয় ? ॥৪৫
সেই তিনের অংশী পরব্যোম নারায়ণ।
তেঁহ তোমার বিলাস, তুমি মূল নারায়ণ ৪৬

অর্থ :—

মখোঙ্গী অহুমগী চংজফম ইবুংঙোদা ওইরি।
করি চিংনবগে ? নংনা নারায়ণ মকোক্ ওইরি ॥৪৫
অহুম'গী অংশীদি পরব্যোম নারায়ণি।
নারায়ণসু নংগী বিলাসনি নংনা মকোক্নি ॥৪৬

গৌর-কৃপা টীকা

শোকপা ওমদে। অহুম অসি শ্রীকৃষ্ণগী খাইখিবা অশংনি হাঙ্গিহনা ঈশ্বর ওই। মখোইশিনু বাথমা লাম্বা ফদনা শগি লৈ, মরম অদুনা মখোইবুসু মায়ানা শোকপা ঙমদে। খুদম অমতং উচ্চরি। অথাহৃয়া মধু, বফংশি গী পুরিংদা শ্রীভগবানতা লুপ্তুনা লৈবনি মায় জগৎকী মুংঙাহবা অগানা লুপ্তুনা কৈদোইন্নু লৈতে, ঈশ্বরদা চংজরবা বুদ্ধি ওতুনা মায়াবু থদোকপা ঙমবনা, ঈশ্বরদা মাংদা ওপ্ল, লুপ হাঙ্গিবসি ইলাই-লাঙ্গনা থঙকম্ লোবুক। মায়িক জীবনা মায়কী বুদ্ধা মায়ক শইবা পোংতা পায়দোনা শ্রীভগবানা মায়াগী মহুংদা লৈরগনু মায়াবু পাম্নুন — মাশিঙ্গী মরম, তবুংঙো ফংকী বাথমা লাম্বা ফদবা শক্তিগী গুণ'ন। মায়াগী মহুংদা লৈবা পোংতনু খুদম পীনাঙাই লৈ, উবা ফংতি, থম্বাংগী মনা ঈশিং মহুংদা লৈবনি অংবু ঙশংনা মাবু চাংবা ঙমদে—কি নত্রগা বরিগুম্বা পোং অমা ঈশিং মহুংদা খম্বা শেংনা মদাংলে। অৱৌ অসিগুম্বা মায়ানা পুন্দুনা লৈরবা জীববু মায়াগী গুণা গুমংবগা চম্পী, তোইগুম্নু অশ্বরবু শুংঙংপা ঙমদে। শ্রীমদভাগৱত হাঙ্গিরি। "ধাম্না স্বেন নিরস্তকুহকম্ ১।১।১॥ স্বতঃসিদ্ধ নিত্য নিবৃত্তমায়াগুণ প্রবাহ ম। ১০।৩৭।২২॥"

৪৫। ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণদ হাঙ্গিরকই, 'হে শ্রীকৃষ্ণ! নারায়ণ কৌবা নীপ অমসুং চংজকমদি হৈবুংঙোনি ; বুংঙোনা মখোইদা শক্তি পীরগনা শাক্তমান্ ওইজনা নারায়ণি হাঙ্গিনা মমিং চচ্চবনি ; মরম আসনা নংনা নারায়ণ হৌবাক্নি, মাসিদা করি চিংনৌংঙাই লৈগিবগে ?" মখোঙ্গী অহুমগী—অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা নীপা।

৪৬। শ্রীকৃষ্ণনা অপুম্বা হাঙ্গিবা অই—"পরব্যোমাধিপতি নারায়ণা মক্ক ওইবা নারায়ণি, অহুনা নীপ অহুম অসি মাগী অংশনি, মহাক মখোইগী অংশীনি (থোরককনি) ; কিবম অসিদা, নংনা ঐবু নারায়ণ মকোক হাঙ্গিরিবা কারণীনো ?" বাহং অসিগী পাওথুমদা

অতএব ব্রহ্মবাক্যে-পরব্যোম-নারায়ণ।
তেঁহ কৃষ্ণের বিলাস, এই তত্ত্ব-বিবরণ ॥৪৭

অর্থ

ব্রহ্মাগী ৱাহৈসিদা পরব্যোম-নারায়নবু।
কৃষ্ণগী বিলাসনি তাক্লি তত্ব অয়েক্পবু ॥৪৭

গৌর-কৃপা টীকা

ব্রহ্মা না হাঙ্গরক্ৈ—"হে শ্রীকৃষ্ণ। পরব্যোমাধিপতি নারায়ণ নীপা অহুমগী অংশনি হাঙ্গদুনা নারায়ণ মকোক্নি হাঙ্গরিবদু চুম্মী; তৌইগুমবনুং অহুম ওইবা পরব্যোমাধিপতি অহু ইব তো নংগী বিলাস মূর্তিনি (সাইওন্নি লাংওন্নি), মরম অসিনা নংনা নারায়ণ মকোক্নি।"

অহানবা মতাংগী (পরিচ্ছেদগী) "সঙ্কর্ষণঃ কারণ-তোয়শায়ী" নহিংবা ৭ শুবা শ্লোকী মতুং-ইন্না শ্রীবলদেবনা নীপা অহুমগী অংশী ওইরে, তৌইগুমবনুং পরার অসিদা পরব্যোমাধিপতি নারায়ণবু নীপা অহুমগী অংশীনি হাঙ্গনা অমুক হাঙ্গরে। মসিগী মরমদি অসিনি, পরব্যোমাধিপতি নারায়ণ অমসুং বলদেব—মখোঙ্গ অনিমক শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস মূর্তিনি, অমসুং বিলাস মূর্তি অমসু বিলাস মূর্তিনি খেন্নদে হাঙ্গনা খন্দুনা (নৌ চুনা) নারায়ণবু নীপা অহুমগী অংশীনি হাঙ্গকরিবনি।

অহুমচুগী—কারনার্ণবশায়ী, গর্ভোদকশায়ী অমসুং ক্ষীরোদকশায়ীগী। অংশী—নীপা অহু গী খোরকুকম মক্ত। বিলাস—১।১।৩৮ পয়ারদা বিলাসকী মরম হাঙ্গখরে।

৪৭। "নারায়ণস্ত্ব" অসিনহিংবা শ্লোকতা ব্রহ্মানা হাঙ্গরে, মাহুগী মর্ম (বা মচং) গী মতুংইন্না পরব্যোমাধিপতি নারায়ণ অসি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস মূর্তিনি হাঙ্গনা লেপরে।

নারায়ণ অসি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস-মূর্তিনি হাঙ্গবা ওশেংনা শ্লোকতা কোংদোক্তেদি হাঙ্গববু শ্লোকী মপুংগী অর্থ (মন্ম) অমসুং ব্রহ্মাগী ৱাহৈ ৱাতাদা থকবা ওন্মী। মাইথোং (শবকম)দি খেন্নগা হকচাংগী মওংনদি খেন্নবা অচুবু বিলাস কৌই। শ্লোকতা ব্রহ্মানা হাঙ্গরি—"নারায়ণস্ত্বং ন হি? নারায়ণ নত্ত্বা? হাঙ্গবদি নং নারায়ণ্নি।" ৱাহৈ অসিদা থকনরিবদি নারায়ণগা শ্রীকৃষ্ণগা শকুকম মাহৈ খেন্নদে হাঙ্গবা কোংদাকই। অমুকসু "নারায়ণোহঙ্গং" ৱাহৈ অসিদা নারায়ণবু শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংনি হাঙ্গরি। শ্রীকৃষ্ণগী মকমদদি হকচাংগা মশাগা খেন্নব। লৈতনা লৌবা মতম অহুদা হকচাং হাঙ্গরবদি শ্রীকৃষ্ণগী অতোপ্পা অথমবা মক্ত ওইবা মূর্তি অমনি হাঙ্গনা থকনৈ। নারায়ণ হাঙ্গরবদি পরব্যোমাধিপতিবুতা খাইনা থকনৈ, মরম অসিনা ব্রহ্মাগী ৱাহৈ ৱাতাদা পরব্যোমাধিপতি নারায়ণগা শ্রীকৃষ্ণগা মশক খেন্নদে, তৌইগুমবনুং নারায়ণগা শ্রীকৃষ্ণগা মূর্তি (বিগ্রহ) দি অমত্তা নত্তে (মায়দে); নারায়ণ অসি

এই শ্লোক তত্ত্বলক্ষণ ভাগবত সার।
পরিভাষা রূপে ইহার সর্ব্বত্রাধিকার ॥৪৮

অর্থ :—

শ্লোক অসি ভাগবতকী মচি ওইবা তত্ত্বনি।
খুদম ওইনা মকম খুদিংদা চংশিনবনি ॥ ৪৮

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীকৃষ্ণগী অতোপ্পা মূর্ত্তি অমনি। শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তিনা পাম্বোম্ অনিতনি নারায়ণগীনা পংম্বোম মরিনি হায়বসিন্দু থাই থঙনরবা বানি। মরম অসিনা মশক মান্নরবন্থ মখোয়গী মওংদি মান্নদরে; মওং অসিদগী নারায়ণবু শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস (সাইওন) মূর্ত্তিনি হায়রিবনি — বঙ্গালী বাহে-বাতাদগী অর্থ অসি কোংদোকৃই।

মতাং অসিদা বাঙং অমা লাকপা য়াই, শ্রীকৃষ্ণগা নারায়ণগা অনি অসি মশক মান্নবগা মশাগী মওংনা মান্নদ হায়রিবসিবু কনানা কনাগী বিলাস মূর্ত্তি ওইগদৌরিবনো কয়ম্না লেপকদগে? শ্রীকৃষ্ণস্থ নারায়ণগী বিলাস মূর্ত্তি ওইবা য়াদ্রা? পাংথুম – য়াদে, শ্রীকৃষ্ণদি নারায়ণগী বিলাস ওইবা য়াদে, মরমদি শ্লোকতা নারায়ণবু কৃষ্ণগী হকচাংনি হায়রি, অদুনা নারায়ণগী হকচাং হীরকৃকমদি শ্রীকৃষ্ণনি। হকচাং হৌরকৃকম ওইব শ্রীকৃষ্ণদগী চেংথোরক্নি। হকচাং অদুনা গুণ থরা হুম্বা হৌনৈ, মক্ত মকোক্তগী মশা-মশেংনা থম্না হুন্দে হায়না শাংনা হায়রি (অহানবা মতাংগী শ্লোক ৩৫ দা য়েংশিনু)। মরম অসিনা নারায়ণনা বিলাসনি, শ্রীকৃষ্ণনা মক্ত-মকোক্নি।

৪৮। শ্লোক অসি—"নারায়ণস্ত্বং" নচিংবা শ্লোক চংশিনবনি—শ্রীকৃষ্ণতত্ত্বগী মরমদা শ্রীমদ্‌ভাগবতকী "নারায়ণস্ত্বং" নচিংবা শ্লোক অসি সিদ্ধান্ত মকোক্ত লোইশিনবা বানি। শ্লোক অসি তত্ত্ব পূর্ণমক ওনা থঙ্‌লখা ব্রহ্মানা হায়বনি—ভগবানা ভশোনা (শ্লোক মরি থিত্থনা) মশাগী তত্ত্ববু ব্রহ্মাগী মকথা কাংদোক্লম্মী অমসুং কৃপা হৌবিত্থন কচনা ভাবস্থ তাহনবিরম্মী, মরম অসিনা ভগবত্তত্ত্বগী মরমদদি ব্রহ্মানা হায়বা বা অসি স্বয়ং ভগবান্না হায়বগা মান্নে হায়না নাংবা য়াই, মরম অদুনা শ্লোক অসি শ্রীকৃষ্ণ-তত্ত্বগী মরমদা মক্ত ওইবা লোইশিনবা বানি। শ্লোক অসিগী সিদ্ধান্তদি অসিনি – শ্রীকৃষ্ণনা মক্ত ওইবা (মকোক ওইবা) হকচাংনি, অংশীনি, নারায়ণনা (অতোপ্পা ভগবংকী মশকসু) শ্রীকৃষ্ণদগী ওইরকপা হকচাংনি, অংশনি—শ্রীকৃষ্ণ তত্ত্বগী মরমদা মসিনা লোইশিনবা মক্ত ওইবা বানি; শ্রীকৃষ্ণ-তত্ত্ব-বিচারগী মরমদা মকম খুদিংদা সিদ্ধান্ত অসি তাক্লুনা—সিদ্ধান্ত অসিগী মতুং ইন্না অর্থ তৌনগদবনি।

ব্রহ্ম আত্মা ভগবন – কৃষ্ণের বিহার।
এ অর্থ না জান মূর্খ অর্থ করে আর॥৪৯
'অবতারী-নারায়ণ, কৃষ্ণ-অবতার।
তেঁহ চতুর্ভুজ, ইঁহ মনুষ্য আকার॥৫০

অর্থ

ব্রহ্ম আত্মা ভগবান – কৃষ্ণগী সাইওন্নি।
মূর্খনা অর্থ,স খঙদে ওয়না তৌবনি ॥ ৪৯
'অবতারী –নারায়ণ, কৃষ্ণ—অবতারনি।
মহাক পাম্বোম মাঙনি,; অমনা মীওই মওংনি' ॥ ৫০

গৌর-কৃপা টীকা

৪৯। মথক্কী থুদম– সিদ্ধান্ত অসগী মতুংইন্না অর্থ তৌরবদি ব্রহ্ম, আত্মা নত্রগা পরমাত্মা অমসুং ঐশ্বর্য্য তরুক হনবা ভগবান্ নারায়ণ মাখাগী অসি অনিগুম্নবা জ্ঞান-তত্ত্ব শ্রীকৃষ্ণগী আবির্ভাব (সাইওন্) মথন অমনি, অদুনা অনীগুম্নব জ্ঞান তত্ত্ব অক্ষমক্তি নত্তে হাঙবা মনা খঙবা ভম্মী, তৌইবসুং তত্ত্বগী মরম খঙদনা মীমংশাদি মানা মানা হাঙনীংবা মতু ইন্না অর্থ তৌ

কৃষ্ণগী সাইওনম – শ্রীকৃষ্ণনা ... ... অমম্ পুথোকপা অদুবু সাইওন্ (আবির্ভাব) কৌই। অর্থ অসি – ব্রহ্ম, আত্মা অমসুং ভগবান মাখাগীবু শ্রীকৃষ্ণগী আবির্ভাবনি হায়রিসি মূর্খ—তত্ত্বগী মরমদা খঙদ্রবা মী।

৫০। বৈষ্ণবশিংগী (... ...-চৈতন্যবাদীশিংগী) বাখন (মত) কক্থংনা য়াননবগী মরমদা অরানবা (ওয়বা) অর্থ তৌ রংদু কোংদোকচরা মাতুদি অসিনি :— "নারায়ণ অবতারীনি শ্রীকৃষ্ণনা মহাকী অংশনি ; হায়রিবা অসগী মরমদি অসিনি, নারায়ণ পাম্বোম মারি পাল্লী ঈশ্বরগী মওংনি, অদুগা শ্রীকৃষ্ণন মহাকী অংশনি, হায়রিবা অসিগী মরমদি অসনি, নারায়ণনা পাম্বোম মারি পাল্লী ঈশ্বরনি অমনি, অদুগা শ্রীকৃষ্ণদি পাম্বোম অনিদনি—মীগী মওংনি। মীদগী লাইনা (ঈশ্বরনা) অথোইবনি মীগী মওং শ্রীকৃষ্ণদগী ঈশ্বরগী মওং নারায়ণনা অথোইবনি ; মরম অসিনা নারায়ণনা অংশীনি (মপুংনি), শ্রীকৃষ্ণনা মহাকী অংশনি (মচেৎনি=সইওম্ণি)"। অসু হায়না অমনা অর্থ তৌবসি, তত্ত্বগী মরম খঙদবা অপণ্ডবশিংনা তৌই। মর্খনা তৌই।

অবতারী—মাগী বাখন্দগী অবতার কোংদোরক্লিবা মহাক অদুবু অবতারী কৌই ; অংশীনি। অবতার–সৃষ্টিনফিবা থবক তৌনবগীদমক অবতারীদগী থোরক্লিবা মশক

গৌর-কৃপা টীকা

অহুবু অবতার কৌই ; অংশনি। মহাক—নারায়ণ। অমনা—শ্রীকৃষ্ণনা মীগী মওংনি—মীগী মতৌগুম্না পাম্বোম অনি পাল্লী।

পরব্যোমাধিপতিবু (পরব্যোমগী মপুবু) নারায়ণ কৌই ; (১) কারণার্ণবশায়ী, (২) গর্ভোদক শায়ী অমসুং (৩) ক্ষীরোদকশায়ী নীপা অহুম অসিগী খুদিংমকপুম্ নারায়ণ কৌই। নারায়ণ মখি অ'সগী মরুংদা করম্বনা পয়ার অসিদা অবতারী কৌরিবনো ? অহানবা অমসুং অনিশুবা নীপাগী পাম্বোমদি মশিং খীবা ওমদে অনন্তনি, মমিংসু অনন্তনি, মকোকসু অনন্তান ; অহুমশুবা নীপা অমসুং পরব্যোমাধিপতিদি পাম্বোম মখি পাল্লী। পয়ার অসিদা হাঙ্গৈরিবা অবতারী নারায়ণ অসি পাম্বোম মখি পানববুনি হাঙ্গবা তশেংনা উৎলি, অনন্ত—পাম্বোম পানবা অহানবা নীপা অমসুং অনিশুবা নীপাবু পয়ার অসিদা হাঙ্গদে ; পরব্যোমাধিপতি নত্রগা ক্ষীরোদকশায়ী অহুম শুবা নীপাবু পয়ার অসিদা হাঙ্গৈরি। মবমদি মখোঙ্গদি পাম্বোম মখি পানবনি।

অবতার হাঙ্গৈরবদি পুরুষাবতার, গুণাবতার, লীলাবতার অসিনাচংনবু খণ্ডনৈ, মরম অসিনা অবতার ময়াম অসিগী থোরককম মহাক অহুবু অবতারী কৌই। অহুমশুবা নীপা মশামক পুরুষাবতার অমসুং গুণাবতারসু ওই ; মরম অদুনা মহাক অবতারনি, অবতারী ওইবা য়াদে মকম অসিদা খণ্ডনরিবাদি পরব্যোমাধিপতি পাম্বোম মখি পানবা নারায়ণঙবু খণ্ডনদে, পয়ার অসিদা মাবু অবতারী হাঙ্গদে। পয়ার অসি পরব্যোমাধিপতিবু অবতারী হাঙ্গবতা নত্তনা অমুকসু ক্ষীরাব্ধিশায়ী পাম্বোম মাখ পানবা নারায়ণবুসু অবতারী হাঙ্গবা য়াদ্রি, মরমদি—মাঙোন্দগী চোংথোরকপা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌই হাঙ্গৈরি। লঘু-ভাগবতামৃত কৌব লাইরিকগী খণ্ডনা ওম্মী, ভাব তিম্নদবা ওম-তৈননা চৎপশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু ক্ষীরাব্ধিশায়ীগী অবতারনিসু হাঙ্গৈ—(ল, ভা, শ্রীকৃষ্ণামৃত ১০৭-১৪০)। মসিগী মুক্তিদি (অরেপ্পাদ) অসিনি, "শ্রীমদ্ভাগবতগী খণ্ডবা ওম্মী, পৃথিবীগী ভ রহরণগী (অকুপ্পা কোক্লনবগী) দমক লাকশিংনা (দেবগণ) ক্ষীর-সমুদ্রগী মপান্দা চৎতুনা ক্ষীরোদশায়ীবু নীংলম্মী (থুরুম্মী) অমসুং ক্ষীরোদশায়ীগী মচিন্দগী শ্রীকৃষ্ণ অবতার তৌরকনি হাঙ্গৎলবা অসি তাবদা মখোঙ্গনা থাজরম্মী ; মরম অসিনা লাকশিংনা হাঙ্গজবদা থুরুমজবদা পৃথিবীগী অকুপ্পা কোক্লনবগীদমক ক্ষীরোদশায়ীনা "কৃষ্ণ" কৌদুনা অবতীর্ণ তৌরম্বিবান হাঙ্গনৈ। (ল, ভা, শ্রীকৃষ্ণামৃত ১৪০)।" অদুগা অমুকসু কনা-কনাগুম্বনা শ্রীকৃষ্ণবু পরব্যোমাধিপতি নারায়ণগী বিলাসনিসু হাঙ্গনৈ (ল, ভা, শ্রীকৃষ্ণামৃত ২২৬—২২৯)।

এই মতে নানারূপ করে পূর্ব্বপক্ষ ।
তাহারে নির্জ্জিতে ভাগবতপদ্য দক্ষ ॥ ৫১
শুন ভাই ! এই শ্লোক করহ বিচার ।
এক মুখ্যতত্ত্ব, তিন তাহার প্রচার ॥৫২

অর্থ :—

মথক্কী'সি ভাব তিন্নদবশিংনা হাঙ্গৈবনি ।
মখোঙ্গৈবু ঙমগদবদি ভাগবতকী শ্লোক্কি ॥ ৫১
তাও ভাই ! শ্লোক অসি বিচার য়ৌম্না তৌগদবনি ।
তত্ত্ব মরু অমদগী অক্তম থোকখিবনি ॥৫২

তথাহি (ভা, ১ । ২ । ১১)
বদন্তি তত্তত্ত্ববিদস্তত্ত্বং যজ্জ্ঞানমদ্বয়ম্ ।
ব্রহ্মেতি পরমাত্মেতি ভগবানিতি শব্দ্যতে ॥ ১২

গৌর-কৃপা টীকা

৫১ । মথক্কী'সি—মথক্কা হাঙ্গ'ল্লিবা বা অসি ভা'ব তিন্নদবশিংন পরৈ পাম্বশিংনা য়েক্লবশিংনা অতোপ-অতোপ্পা ভাব তিন্নদবশিংগী বাখল পুক্কিং'দি অসিনি—কনা অমনা হাঙ্গৈ, শ্রীকৃষ্ণদি ক্ষীরোদশায়ীগী অবতারনি, মরম অসিনা অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা নীপাদগী থোঙ্গলোক-তেঙ্গোকপা নত্তে, কনা অমনা হাঙ্গৈ, শ্রীকৃষ্ণদি ক্ষীরোদশায়ীগী মশমদগী (কেশের) অবতার তৌবনি, কনা অমনা হাঙ্গৈ শ্রীকৃষ্ণদি পরব্যোমগী অধিপতিগী বিলাসনি, কনা অমনা হাঙ্গ পরব্যোমাধিপতিগা ব্যূহ বাসুদেব অহুম ওইবা বসুদেব অচুগী অবতারনা শ্রীকৃষ্ণ'ন, অহুগা কন অমনসু হাঙ্গৈনৈ, শ্রীকৃষ্ণদ মহাকালপুরগী ভূমাপুরুষগী অংশনি, অসিনচিবা হাঙ্গৈনৈ । মখোঙ্গৈবু—ভাব'তিন্নদবশিংবু, তং পাম্বশিংবু ঙমগদবদি—মাইথীবা পীগদব'দ্দ

শ্রীকৃষ্ণতত্ত্বগী মরমদা কনাগুম্বনা ওয়-তৈনবা অথ তৌরক্লবদি, ভাগবতকী শ্লোকনা মখোঙ্গৈনা পাম্লিবত্ত ককথৎপা ঙমগনি ভাব-তিন্নদবা কন্নবগী মরমদা "বদান্ত'নচিংবা, "এতে চাংশঃ" নাংবা অমসু 'অত্রসর্গ." নচিংবা শ্রীমদভাগবতকী শ্লোক অমসুং "ঈশ্বরঃ পরমঃ কৃষ্ণঃ নচিংবা ব্রহ্মসংহিতাগী শ্লোক মথাদা উচ্চর ।

শ্লোক ২ অপ্পুন'চংবা মতাং অসিগী শ্লোক ৪ শুবদা য়েংবিয়ু ।

৫২ । তাও ভাই—ভাব তিন্নদবশিংগী পুক্কি অদু চিংশিন্নবগীদমক 'ভাই' হাঙ্গৈরিবনি । শ্লোক অসি-মথক্কী 'বদন্তি' শ্লোকপুনি । তত্ত্বমরু—থৌইদগী অথোইবা তত্ত্ব । অক্তম—অহুম থোক্না । থোকখিবনি—আবির্ভাব তৌখিবনি ।

অদ্বয়-জ্ঞান-তত্ত্ববস্তু কৃষ্ণের স্বরূপ।
ব্রহ্ম আত্মা ভগবান-তিন তাঁর রূপ ॥৫৩
এই শ্লোকের অর্থে তুমি কৈলা নির্ব্বচন।
আর একশুন ভাগবতের বচন ॥৫৪

অর্থ :—

অনিত্তদবা জ্ঞান-তত্ত্ব-কৃষ্ণগী মশক্লি।
ব্রহ্ম, আত্মা ভগবান মাহোন্দগী পুখোকপনি ॥৫৩
শ্লোক অসিগী অর্থ তাবদা নং না তাংদবনি।
অহুগা অমগা তাখো ভাগবতগী বানি ॥৫৪

গৌর-কৃপা টীকা

মত (৩।৫২) তিন্নদবা কাংবুগী যক্তিগী পাওখুম ওইনা গ্রন্থকারনা হাঈরি "বদন্তি-নচিংবা শ্লোককী অর্থ বিচার তৌরগা শক্তম ওনগনি, নংগী যুক্তিদি বিচার য়াওদে। শ্লোক অসিদগী খঙবা ঙম্মিবদি অনিত্তদবা জ্ঞান মঙ্গ ওইবা তত্ত্ব-বস্তুনি (১।২।৭ শ্লোকী টীকাদা য়েংবিয়ু)। লাইনী বা খেন্নবা য়াওরকপা ময়মা অনিত্তদবা জ্ঞানগী মশক ওইবা, সত্ত্ব ওইবা বস্তুনা, মশামক নত্তবা, অতোপ্পা তোংতানবা আবির্ভাব অহুম পুখোকলি মরুওইবা ওইরদি অমতনি, মাত্র অমদগী হেন্নবা নত্তে; মশামক নত্তবা অতৈ অতোপ্পা অহুম অতুদি মহাক্কা সাহওনবানি, অহুম অতুদি মঙ্গওইবা তত্ত, অমতন্তু নত্তে, মঙ্গওইবা তত্ত্বগী অথুমব আবির্ভাবনি।"

৫৩। অনিত্তদব জ্ঞান-তত্ত্ব-বস্তু অতু কনানো অমসুং মহাক্কা অহুম খোক্কা পুখোক্লিবা অহুনা কনানো মাত্র হাঈজার। শ্রীকৃষ্ণনা অনিত্তদব-জ্ঞান-তত্ত্ব-বস্তুনি অমসুং মূর্ত্তি নাইদবা (লৈতবা) ব্রহ্ম, অন্তর্য্যামী পরমাত্মা অমসুং পরব্যোমাধিপতি ঐশ্বর্য্য ওইরবা তিনবা ভগবান নারায়ণ—অহুম অসি মাহোন্দগী পুখোকপনি (আবির্ভাব ওইবানি)।

অনিত্তদব-জ্ঞান-তত্ত্ব-বস্তু—শাগৈ ওইব শাগৈ ওইদবা থাইবা লৈতবা (খেন্নবা লৈতবা) অপাইবা তত্ত্ব (১।২।৪)। ব্রহ্ম—নিরাকার মওং লৈতবা মুংতাইবগী মশক আত্মা—পরমাত্মা, অন্তর্য্যামী। ভগবান—পরব্যোমাধিপতি নারায়ণ। (১।২।১৫-১৬ পয়ারগী ব্যাখ্যাদা য়েংবিয়ু)।

৫৪। "বদন্তি" নচিংবা শ্লোকী অর্থ লোইশিনজরে। শ্লোক অসিগী—"বদন্তি" নচিংবা শ্লোকী। নং—নোং (মত) তিন্নদবনু য়েংহনা হাঈবনি। না তাংদবনি—কন্নওবা

তথাহি (ভা, ১।৩।২৮)

এতে চাংশকলাঃ পুংসঃ কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ম্।
ইন্দ্রারিব্যাকুলং লোকং মৃডয়ন্তি যুগে যুগে॥১৩

গৌর-কৃপা টীকা

যুক্তি প্রমাণ পীহুনা তাংকম লৈতবা কবিরাজ-গোস্বামীনা শ্রীমদভাগবতকী "বদন্তি"না হৌবা শ্লোক্কা প্রমাণ পীরি, মাহুদি—শ্রীকৃষ্ণতনা অনিশুদবা জ্ঞান-তত্ত্ব-বস্তুনি অমসুং পরব্যোমাধিপতি নারায়ণনা মহাকী সাইওন্নি; মরম অসিনা নারায়ণনা শ্রীকৃষ্ণগী অবতারী ওইবা য়াদে। শ্রীকৃষ্ণদি—অনিশুদবা-জ্ঞান-তত্ত্ব-বস্তু ওইবা মরম্না ক্ষীরাব্ধিশায়ী নারায়ণচিংবস্ত্র মহাকী অবতারী ওইবা য়াদে। হাঈরিবা অসি প্রমাণগী মকোক শ্রীমদভগবাতকী সিদ্ধান্তনি।

অহুগা অমগা তাথো—মথক্কী শ্লোক অসি নম্বরা। শ্রীমদভাগবতকী শ্লোক অমগা তাথো; মোংযান্নদবগী ভাব অয়ান্বা অহু ককথংনবনি।

শ্লোক ১৩ অন্বয়। এতেচ (শিংথাগ্রবা, হাঈগ্রবা অমসুং হাঈখিজিনা পূম্নমক অসি) পুংসঃ (কারণাব্ধি শায়ী পুরুষগী) অংশ কলাঃ (অংশ অমসুং বিভূতিনি), (ইচ) (মতৌ অসিদা) (বিংশতিতমাবতার হেন) কুনশুবা অবতার ওইনা (যঃ) (ইবুংঙো মহাকপু) (বর্ণিতং) (হাঈনৈ), (যঃ) (অহুম ওইবা) কৃষ্ণ (কৃষ্ণ) তু (তৌইশুমসুং) স্বয়ং (থাঙ্গৈশেংবা মশানা) ভগবান (ভগবান্নি)। তে চ অবতার: (কারণাব্ধি শায়ী পুরুষকী অবতার পূম্নমক অহুনা) ইন্দ্রারিব্যাকুলং (লাইগী নিংথৌ সোরারেনগী য়াকুবা হিংচাবশিংনা ওং-নৈবদা বারবা) লোকং (জগৎপু) যুগে যুগে (যুগ যুগ থুদিংদা, যুগাবতারগী মতমদা) মৃডয়ন্তি (সুখাইহল্লী)। ১৩

অনুবাদ। হাঈগ্রবা অমসুং হাঈবদা মসুং চলেহৌদবা, হাঈখিজিবা অবতার পূম্নমক অসি পুরুষকী অংশ অমসুং বিভূতিনি; (অবতারশিংগী মমিং শিংথারক্পদা কুনশুবদা লৈরিবা অবতার অহু, অহুম ওইবা) শ্রীকৃষ্ণ অহুদি (কারণার্ণবশায়ী পুরুষকী অংশ নত্তে, তৌইশুমসুং মহাক্কি) স্বয়ং ভগবান্নি। (হাঈগ্রবা অবতার পূম্নমক অহুনা), হিংচাবশিংনা ওং-নৈবদা বারব জগৎপু যুগ থুদিংদা সুখাইহল্লী ১৩॥

অবতার তৌরিবা অসি মাশং য়াম্না য়াম্বনা কনাস্থ মমিং থীবা তায়দে, পূম্নমক্ অহুগী মমিংশু হাঈবা তায়দে। অবতার থরগী মাঙংদি হাঈরে, অহুগা অতৈ অয়াবগী মমিংদি হাঈজি, এতে-শব্দনা হাঈগ্রবা অহুগা চ-শব্দনা হাঈজিবা অবতার পূম্নমকপু থত্তৈ। মথোঈ পূম্নমক্কি পুরুষকী অংশনি। অংশ কলাঃ— অংশ অমসুং কলা। কল —বিভূতি। অবতার পূম্নমক অসিগী মনুংদা থরনা পুরুষকী সাক্ষাৎ অংশনি থরা অমনা পুরুষকী (নীপাগী) অংশগী অংশনি, থরনা

গৌর-কৃপা-টীকা

নীপাগী (পুরুষকী) শক্তি ওোংবনি, খরনা বিভূতিনি। কৃষ্ণত্ব—কৃষ্ণ:+ত্ব ; তৌইগুম্বনুং কৃষ্ণ। স্বয়ং ভগবানবু ওইরবনু অহুগা মরাক্কী কবিগুম্বা মশক অমবু ওইরবনু মায়াগী জগৎ অসিদা (প্রাকৃত প্রপঞ্চে) অবতীর্ণ তৌরিবহু মহৌশানা থাইনা অবতার হাঈনে ; মাসিগী মতুং ইমা প্রকট লীলা (কোংলোক্কা শান্নবা লীলা) গী মতমদা স্বয়ং ভগবানবুসু অবতারনি হাঈনে। শ্রীমদভাগবতকী স্কন্ধ অহানবগী অহুমশুবা অধ্যায়দা (জন্মগুহ্যাধ্যায়দা) অতৈ অতোপ্পা অবতারগা লোঈনা-লোঈননা স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী নামসু উৎলী (ইরি) (১।৩ ২৩ শ্লোক্তা) ; শ্রীকৃষ্ণবু কুনশুবা অবতারান হাঈরি, মরমদি শ্রীকৃষ্ণসু পৃথিবী অসিদা অবতার তৌই

অহুগা শ্লোক অহুদনা বলরামচন্দ্রবুনা তরামাপন্‌শুবা অবতারনি হাঈরি। মৃডদৃষ্টি—হিংচাবাশিংবু মাঙহন্নগা জগৎপু মু ভাইকল্লী।

স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা করি মরমগীদমক পৃথিবীদা অবতার তৌরিবনো হাঈবদা মহাক্কী ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাংনচিংবশিংগী মুংতাইবা অহু অতকপগী মশক ফংনা মুংতাইবা কংহনগে হাঈবগীদমক মায়া জগৎ অসিদা (প্রাকৃত প্রপঞ্চদা) শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌরিবনি।

শ্রীরাম-কৃষ্ণবু ভগবান অমসুং শ্রীকৃষ্ণবুনা স্বয়ং ভগবান হাঈরবসু অবতার পুম্নমকী মমুংদা মখোঈগী মমিংসু ইরি অহুগা অতৈ অতোপ্পা অবতারগী মতৌগুম্না মখোই অম্বদি, নীপাগী পুরুষকী অংশ কলা নত্তে। রামকৃষ্ণবু ভগবান হাঈবা অসিনা খঙনহ্নবদি বলরাম-চন্দ্র অসি পুরুষকী (নীপাগী) অংশ নত্তে। খাঙ্গেশেংবমক স্বয়ং ভগবানসু নত্তে ; স্বয়ং ভগবান্দি অমদগী হেন্না লৈবা য়াদে ; মরম অদুনা মহাক্তি স্বয়ং ভগবানগী অংশনা ওইবা অবতারনি (পুরুষ-নীপাগী অংশনা ওইবা নত্তে) ; হাঈবদি স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী সাইওন্নি।

শ্রীকৃষ্ণনা অতৈ অতোপ্পা অবতারশিংগী মতৌগুম্বা নত্রবদি ইবুংঙো মহাকপু করি মরমগী কুনশুবা অবতার হাঈরুরিবনো হাঈনা হংবা য়াই, মাহুগী পাওখুমদি স্বয়ং ভগবান্দি ব্রহ্মাগী নোংমদা অমুক্তং অবতীর্ণ তৌই ; মহাক্না অবতার তৌবা মতমদা যুগাবতারন-চিংবগী মতমসু চপ-চানা ওই, যুগাবতারগী মতম ওইরবসু মখোঈনা মনিং-মথা তৌহনা অবতীর্ণ তৌদে, শ্রীকৃষ্ণগী মশা মমুংদা চংজহনা লৈ। শ্রীকৃষ্ণগী মশা মমুংদা লৈন-লৈনা মখোঈনা মখোঈগী থবক মখৌ পাঙথোকই। কল্পগী অবতার পুম্নমকী রা স্কন্ধ অহানবগী অহুমশুবা অধ্যায়দা হাঈরে, হাঈরিবা কল্প অহুদা কুনশুবা যুগাবতারগী মতমদা, স্বয়ং ভগবানগী অবতারগী মতম ওইরম্মী হাঈহনা স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা অবতীর্ণ ওইখি, যুগাবতারনা মনিং তৌহনা অবতীর্ণ ওইরমদে ; তৌইগুম্বনুং মহাক্তি শ্রীকৃষ্ণগী মশা

সব অবতারের করি সামান্য লক্ষণ।
তার মধ্যে কৃষ্ণচন্দ্রের করিল গণন॥৫৫
তবে সূত গোসাঞি মনে পাঞা বড় ভয়।
যার যে লক্ষণ তাহা করিল নিশ্চয়॥৫৬

অর্থ :—

অবতার পুম্নমক্কী মশক্তি অচম্বা ওইরে।
মাদুগী মমুংদা কৃষ্ণচন্দ্রস্ত য়াওখরে॥৫৫
মাদুদা সূত গোসাঞি পুক্নিংদা যাম্না কিবে।
কাঙ্গিরিবা অবতার পুম্নমক্কী মখল লেপখরে॥৫৬

গৌর-কৃপা টীকা

মমু'দা চংদুনা লৈরম্মী, শ্রীকৃষ্ণগী মথা মমুংগী লৈরিবা। যুগাবতার অসিবু শ্রীকৃষ্ণনা ভূভার হরণচিংবা (পৃথিবীগী অকন্বা কোকহনবনচিংবা) যুগাবতারগী থবক মথৌ পাঙথোকহল্লে। যগাবতারনা মনিং তৌবা ওমদব মরমদগী, শ্রীকৃষ্ণগী মথানা (হকচাংনা) যুগাবতারগী থবক পাঙথোকই হাঙ্গিদুনা শ্রীকৃষ্ণবু কুনগুবা অবতার হাঙ্গিরিবনি। "শ্রীকৃষ্ণগী অবতার মতমগা ভারহরং মতমগা তিরখরে। পূর্ণ ভগবানগী অবতার মতমদা অবতার পুম্নমক লক্ত্রণ ডিরে ১।৪।৮ ৯॥"

শ্রী ভা, ১০।৩ শ্লোকস্ত হাঙ্গির, রামকৃষ্ণনা ভূভার হরণ (পৃথিবীগী অকন্বা কোক-হনবা)। তাই, চাইগুম্বস্তং ভূভার হরণি স্বয় ভগবানগী মথৌ থবক নত্তে (স্বয়ং ভগবানদি তৌদে অকন্ব কোক্হনবা ।।৪।৭)। যগাবতারগী মথোন। মসিনগীস্ত থগুবা মম্মী, স্বং ভগবানগী মমুংদা লৈরিবা যুগাবতার অক্তবু য়োংদুনা হাঙ্গিরুবদকী শোক্তবা য়াকদুন শ্রীকৃষ্ণবু কুনগুবা অবতার হাঙ্গিরুবনি শ্রীকৃষ্ণদি অবতার নত্তে হাঙ্গিবসি অতোপ-অতোপ্পা লীলা। ('ব্রজলীলানাচংব') না প্রমাণ ওইরি।

শ্রীকৃষ্ণদি অবতার নত্তে, তৌইগুম্বস্ত মহাক্তি অবতারীনি (অবতার পুম্নমক্কী শৌদোক-কায়) হাঙ্গিবসি শ্লোক অসিনা প্রমাণ ওইরি।

৫৫। অবতার পুম্নমক্কী—যুগাবতার মন্বন্তরাবতারনচিংবা অবতার পুম্নমক্কী মশক্তি অচম্বা—ভগবদ্ধামদগী মায়াগী ভগবা কুমথরক্লিববু অচম্বা মশক্ কৌরে। মাদুগী মমুংদা অবতার পুম্নমক্কী মমুংদা। কৃষ্ণচন্দ্রস্ত—স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণস্ত। য়াওখরে—মশিং থীবদা য়াওশিনখরে।

৫৬। সূত গোসাঞি—নৈমিষারণ্য কৌবা অশোংবা নারক (বন) অমদা শৌনকন-চিংবা ঋষিশিংগী মকমদা উগ্রশ্রবা কৌবা সূতনা শ্রীশুকদেব-গোস্বামীগী শ্রীমদভাগবতপু

অবতার সব পুরুষের কলা অংশ।
কৃষ্ণ-স্বয়ং ভগবান সর্ব্ব-অবতংস ॥৫৭

অর্থ :-

অবতার পুরুষক নীপাগী কলা অংশনি।
কৃষ্ণ স্বয়ং ভগবানি থাউনগী হেনবনি ॥৫৭

গৌর-কৃপা টীকা

কীর্ত্তন তৌখি। অহানবা স্কন্ধগী অহুমশুবা অধ্যায়দা অবতারগী মরমদা হাঙ্গৈরিবা অদু শ্রীসূত গোস্বামীনা হাঙ্গৈবনি যাম্ন কিরে— অতৈ অতোপ্পা অবতারশিংগী মখিংগী মরক্তা স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মমিং য়াংওশিন্না হাঙ্গৈরবদা শ্রীকৃষ্ণগী মশুং হন্নহন্না হাঙ্গনা থম্লবদা স্বত। গোস্বামীগী পুক্নিংদা য়াম্না কিরে।

হাঙ্গৈথবা অবতার পুরুষকী থুদম--হাঙ্গৈরিবা মখোই পুরুষকুগী মমুংদা কন কননা অবতারী-নীপাগী অংশ, মতুংগা কনানা স্বয়ং ভগবানগী অংশ ওইবা, কন্না ভগবান্না তৌদবা য়াদবা মরম লৈতনা মীওম্ন অবতার তৌরিবা, পুরুষক অসিগী মমংদা থম্লনবা থুদম।

কবি কবিগুম্বা লাইরিকতা "সূত গোসাঞি"গী মতুং (মফমদা) "শুকদেব" ওইবা ইবা য়াওই; তৌঃশুম্নঃ মখু অচুম্বনি হাঙ্গনা লৌনীংদে, মরমদি শ্রীমদ্ভাগবতকী অহানবা স্কন্ধগী অহুমশুবা অধ্যায়দা অবতারগী মরমদা হাঙ্গিরিবা শ্লোক পুরুষক অদু শ্রীসূত গোস্বামী উক্তিনি (হাউবনি)। শ্রীশুকদেবনা হাঙ্গৈবা নত্তে।

৫৭ অবতারগী মশক থওননবা থুদম লেপ্পুনা (পীরুনা) হাঙ্গৈরি। পয়ার অসিদা "এতে চাংশ শ্লোকী মক্ত ওইবা অর্থ কোংদোক্লি। মাহুনি অসিনি: অবতারগী মরমদা মমিং হাঙ্গৈরিবা পুরুষকুগী মমুংদা শ্রীকৃষ্ণদি স্বয়ং ভগবান্নি, (বলদেবনা মহাকী বিলাস-রূপ অংশনি) অমসুং মতোপ-অতোপ্পা অবতারশিংনা পুরুষকী নীপাগী অংশ থন্না অমা ওই অতুগা থন্না অমনা নীপাগী পুরুষকী বিভূতিনি।

অবতার পুরুষক – শ্রীকৃষ্ণ (অমসুং শ্রীবলদেব) নত্তব হাঙ্গৈরবা অমসুং হাঙ্গৈরিরিবা অবতার। নীপাগী —পুরুষগী সৃষ্টিগী অহোবদা সৃষ্টিগী থবক পাংথোক্লবগীদমক শ্রীভগবানগী অংশদগী অবতার ওইনা চোংথোরকপা নীপাগী। কলা– বিভূতি (ক্রমসন্দর্ভ)। অংশ– মথকী শ্লোকী অর্থদা য়েংবিয়ু। মায়া জগৎ অসিদা লৈরিবা কবিগুম্বা পো মপুম অমদগী

পূর্ব্বপক্ষ কহে তোমার ভাল ত ব্যাখ্যান।
পরব্যোম-নারায়ণ—স্বয়ং ভগবান ॥৫৮
তিঁহো আসি কৃষ্ণরূপে করেন অবতার।
এই অর্থ শ্লোকে দেখি, কি আর বিচার ॥৫৯

অর্থ :—

তর্ক পাম্বনা হাঈ—নংগী অর্থ ফজখরে।
পরব্যোম-নারায়ণা স্বয়ং ভগবান ওইরে ॥৫৮
মহাক্না কৃষ্ণ ওইদুনা অবতার তৌরে।
শ্লোকী অর্থদা তৌনাংঙাই বিচার করি কৈরে ॥৫৯

গৌর-কৃপা টীকা

শরুক খরা করুথন্নুনা তোংঙাম খজিন্নং খাইদোকপা অহুবু মচেং, অংশ কৌই ; তৌই-গুম্বস্নং শ্রীভগবানগী অংশ অবতারদি মাঙৌ অচুম্বা তৌবা নত্তে, শ্রীভগবানবু করুথংপা নত্তে ; শ্রীভগবান্দি মফম খুদিংদা শিন্দুনা লৈবনি। মফম খুদিংদা লৈবনিনা অংশনা লৈরবস্নু স্বয়ং মশানা লৈরবস্নু ভগবৎকী মশক্তি অরেম্বনি, মপুং ফাবনি স্বয়ং মশাদগী চো শোরকপা অংশনা মপুংঙানদগী শক্তি খরা হুম্বে হাঈবদন খাইদগী অকেনবনি পুম্নমকী চংজফম্বি অমস্নং মরম পুম্নমকী মরম্বি (মপা পুম্নমকী মপানি)।

৫৮—৫৯ কবিরাজ গোস্বামীনা মথকী পয়ারদা "এতে চাংশ" শ্লোকী অর্থ তৌখরে, কন-কন গুম্বনা মাদুদা আপত্তি (মইরে) থাজংলকপা য়াই, অচুম্বা অদু মইরে য়েত্তুনা ফংলংনেবগী মরমদা পয়ার অনি অমা আপত্তি ওইনা থাজংলে। আপত্তি (মইরে) দি অসিনি :—'কৃষ্ণস্তু স্বয়ং ভগবান—অসুম্বা অর্থ লৌদুনা মথকী পয়ারদা অর্থ তৌখরে ; তৌইগুম্বস্নং স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণ ;—অসুম্বা অর্থ লৌরুরবদি শ্লোকী অর্থ অসুম্বা ওইরক্লগনি মাদুদি স্বয়ং ভগবান্না (পরব্যোমাধিপতি নারায়ণা) কৃষ্ণ ওইদুনা অবতীর্ণ ওইরে। মরম অসিনা পরব্যোমাধিপতি নারায়ণ স্বয়ং ভগবান্নি শ্রীকৃষ্ণদি নারায়ণগী অবতারনি অসুম্বা চংখিবা তারে।" পয়ার ৫৮ ৫৯ অনি অসি তর্ক পাম্বা, ভাব তিম্বদবশিংগী আপত্তি ওইনা থাজচরে। তর্ক পাম্বনা—আপত্তিকারীনা, নাত্তৈচাদন মইরে য়েংলীংবশিংনা, ভাব তিম্বদবশিংনা। নংগী অর্থ ফজখরে—কবিরাজ! নংনা ব্যাখ্যা তৌরিবদু ফজখরেদা। (বাতা অসি তর্ক পাম্বনা মোক্লবা বাতান) ; বা অসিগী মতুংগী অর্থদা কারি খণ্ডনরিবগে হাঈবদা, "কবিরাজ! নংনা অর্থ তৌরিবা ব্যাখ্যা তৌরিবা অদু লাক্নে চুম্নে। নংনা শ্রীকৃষ্ণ স্বয়ং

তারে কহে—কেন কর কুতর্কানুমান ?।
শাস্ত্র—বিরুদ্ধার্থ কভু না হয় প্রমাণ ॥ ৬০

অথ :—

তর্ক পাম্বদা হাঙ্গী—করিগী মরৈ তৌরিবা ?।
শাস্ত্রদা য়াওদবা অর্থ লৌদে প্রমাণ ওইবা ॥ ৬০

গৌর-কৃপা টীকা

ভগবান্নি হায়রিবন্থু শ্লোকী অর্থদা কোংদোক্কে। শ্লোকী অচুম্বা থাঙ্গৎশেংবা অর্থ করিনো হায়বন্থু তাও হায়গে " পরব্যোম নারায়ণ— পরব্যোমাধিপতি চতুর্ভুজ (পান্থোম মরি পানবা) নারায়ণ। স্বয়ং ভগবান—নারায়ণ স্বয়ং ভগবান্নি, কৃষ্ণ স্বয়ং ভগবান নত্তে। (মসি তাব তিন্নদবগী অর্থনি)। মহাক্রা—পরব্যোমাধিপতি নারায়ণনা। ওইত্থনা অসিনচিংব-পরব্যোমাধিপতি নারায়ণনা কৃষ্ণ ওইত্থনা মায়া জগত্তা অবতীর্ণ ওইরগা লীলা শাম্নরে। মরম অসিনা নারায়ণনা অবতার তৌবনি কৃষ্ণ ওইনা। শ্লোকী অর্থদি অসুম্বা কংতি, মাসিদা অমুকহন্না করি বিচার তৌথিগদগে ? (শ্লোকী—"এতে চাংশ" শ্লোকী।

৬০। কবিরাজ গোস্বামীনা মথকী তর্ক পাম্বনা হায়রবা বা অসি ককথৎলি। তর্ক পাম্বদা হাঙ্গী— মরৈ য়েংকনবদা হায় (কবিরাজ গোস্বামীনা)। মরৈ –কত্তবা মরৈ, নত্তবা মরৈ। শাস্ত্রগা চানদবা মরৈবু কত্তবা, নত্তনা মরৈ কৌই ; অনুমান তৌত্থনা য়েংপা মরৈনি। খুদম্দা, করিগুম্বা চীং অমদা মৈখু কাবা উরগা মৈ লৈরমগনি হায়না বাখল তৌবা অদুবু অনুমান কৌই। মতৌ অসুম্না "এতে চাংশ" শ্লোককপু "স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণ" অসুম হাঙ্গনা লেংথোক্লগা মওং অমা ওইনা অর্থ তৌবা য়াই অমসুং মরু ওইব। শব্দগী অর্থ অমন্ন ওইবা য়াই। মতৌ অসি মৈখু উরগ, মৈ লৈরমগনি হায়না অনুমান তৌবগী মতৌনি। তৌইগুম্বসুং অনুমান তৌত্থনা অর্থ লৌব অনি শাস্ত্রনা য়াওদে হায়ত্থনা মাত্থবু কত্তব তর্ক অনুমান হায়নৈ। অর্থ মতৌ অসি শাস্ত্রগা মতৌ করম্না য়েক্নবা ওইবগে হায়বন্থু মথাগী পয়ারদা উহল্লরি। শাস্ত্রদা য়াওদবা—শাস্ত্রগী য়েক্নবা। লৌদে প্রামাণ ওইব—প্রমাণ ওইরে হায়না শিথানদে। নাতৈচানদবা তর্কনা অনুমানদা য়াৎই অমগী অর্থ অদু মথল মথা করামুক থোক্না তৌবা য়াই, তৌইগুম্বসুং অর্থ ময়াম অদুগী মনুংদা শাস্ত্রগা য়েক্নবা ওইবা অর্থ মখে প্রমাণ চাঙ্গ হায়না লৌবা যাদে। মথকী পয়ারনা হায়রিবা (স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণ) অসুম হায়না অর্থ লৌবা শাস্ত্রগা য়েক্নবনি হায়ত্থনা

তথাহি একাদশী তত্ত্বে ধৃতো ন্যায়ঃ

অনুবাদ মনুক্ত্বা তু ন বিধেয়মুদীরয়েৎ।
ন হ্যলব্ধাস্পদং কিঞ্চিৎ কুত্রচিৎ প্রতিতিষ্ঠতি ॥১৪

গৌর-কৃপা টীকা

য়ানদে। করিগুম্বা বাহৈ অমগী অর্থ ভৌগে হাঙ্গৈরবদি শাস্ত্রদা প্রমাণ তৌবা য়াবা অর্থ তর্ক পাম্বা মীনা নিয়ম অসি খোঙদে ; মাসি য়েংহন্নাংবগীদমক মথাদা "অনুবাদমনুক্ত্বা" নচিংবা শ্লোক ইজরি।

শ্লোক। ১৪। অন্বয়। অনুবাদং (খঙলবা পোৎ) অনুক্ত্বা (হাঙ্গৈরমদনা) তু (তৌইগুম্বনুং) বিধেয়ং (খঙদ্রিবা পোৎ) ন উদীরয়েৎ (হাঙ্গৈবা ক্তৌনদে) ; (যতঃ) (মরম অদুনা) অলব্ধাস্পদং (পোৎ অদুগী চংফম লেপদ্রিবা অদুগুম্বা) কিঞ্চিৎ (কারগুম্বা পোৎ) কুত্রচিৎ (করিগুম্বা মফমদা) নহি প্রতিতিষ্ঠতি (লিংখৎপা য়াদে, চৎনবা য়াদে)।

অনুবাদ। অনুবাদ হাঙ্গৈরমদনা বিধেয় হাঙ্গৈবা ক্তৌনদে। মরম অদুনা পোৎ অদুগী চংফম লেপদ্রিবা অদুম ওইবা পোৎ অদু, করিগুম্বা মফমদা লিংখৎপা (চৎনবা) ক্তৌনদে। ১৪।

অনুবাদ—খঙলবা পোৎ। বিধেয়—খঙদ্রিবা পোৎ। অলব্ধাস্পদ—আশ্রয়লৈতবা। বাহৈ পয়েং শেঙবগী মরমদা অলঙ্কার শাস্ত্রগী বিধিদি অসিনি, অহানবদা খঙলবপোৎ ইগনি, মাদুগী তুংদা মাদুগা মরী লৈনবা খঙদ্রিবা পোৎকী বাহৈ অদু ইগনি, করিগুম্বা মতমদা বিধি অসি কাউবা য়াদে, হিক্তোকফদে, মসি শাস্ত্রগী বাহৈনি (য়াথংনি) বিধি অসিগী মরমদি অসিনি, খঙলবা পোৎ অদুদা চংজরগা মাদুগা মরী লৈনবা খঙদ্রিবা মরম অদু ফোংদোকপা ক্তৌনৈ। খঙলবা পোৎ অদুদি হাঙ্গৈরমদনা মাদুগা মরী লৈনবা খঙদ্রিবা মরম অদু ফোংদোকলুবদা মী বনা অমত্তনা খঙবা ঙমদে।

শ্রীভা, ১।৩।২৩ শ্লোক্তা কুনতুবা অবতার ওইনা শ্রীকৃষ্ণগী মমিং ইরি ; মরম অসিনা "কৃষ্ণ" হাঙ্গৈবসি খঙলবা পোৎনি হাঙ্গৈবদি অনুবাদনি তৌইগুম্বনুং শ্রীকৃষ্ণদি স্বয়ং ভগবানি, হাঙ্গৈবসি মথক্তী শ্লোক্তা হাঙ্গৈদে ; মরম অসিনা কৃষ্ণগী স্বয়ং ভগবত্তাদি খঙদ্রিবা অদুনি, হাঙ্গৈবদি বিধেয়নি ; "অনুবাদ মনুক্ত্বা তু" নচিংবা বাহৈ মতুংইন্না অনুবাদ "কৃষ্ণ" শব্দ হান্না ইগনি অমনুং বিধেয় "স্বয়ং ভগবান" তোন্না ইগনি, মরম অসিনা কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ং" অস্নুম্না হাঙ্গৈবসি শাস্ত্রগী নিয়মনি। তর্ক পাম্বনা "স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণঃ" অস্নুম্না বাহৈ শেমদোকপসি শাস্ত্রগী নিয়ম নত্তে, য়েরুবনি হাঙ্গৈদুনা লৌনদে ; মাসি উৎনবিংদুনা শ্লোক অসি ইজরিবনি। মথক্তা হাঙ্গৈরিবসি করম্না বিধিগী য়েরুবা ওইবগে হাঙ্গৈবদু মথাগী পয়ারদা উৎহজরি।

অনুবাদ না কহিয়া না কহি বিধেয়।
আগে অনুবাদ কহি পশ্চাৎ বিধেয় ॥৬১
'বিধেয়' কহিয়ে তারে—যে বস্তু অজ্ঞাত।
'অনুবাদ' কহি তারে-যেই হয় জ্ঞাত ॥৬২
যৈছে কহি—এই বিপ্র পরম পণ্ডিত।
বিপ্র অনুবাদ, ইহার বিধেয় পাণ্ডিত্য ॥৬৩
বিপ্রত্ব বিখ্যাত, তার পাণ্ডিত্য অজ্ঞাত।
অতএব বিপ্র আগে পাণ্ডিত্য পশ্চাত ॥৬৪

অর্থ :—

অনুবাদ হাঙইরমদনা বিধেয় হাঙইনদবনি।
অহানবদা অনুবাদ তুংদা বিধেয় হাঙইগনি ॥৬১
'বিধেয়' কৌবদি খঙজিবা পোৎ অদুবুনি।
'অনুবাদ' কৌবদি খঙলবা পোৎ অদুবুনি ॥৬২
থুদমদি – ব্রাহ্মণ অসি অকাওবা পণ্ডিতনি।
মাসিদ ব্রাহ্মণ অনুবাদ, পণ্ডিত বিধেয়নি ॥৬৩
ব্রাহ্মণা অখঙবনি পণ্ডিতনা খঙজিবনি।
অদুনা মমাংদা ব্রাহ্মণ তুংদা পণ্ডিত ইগনি ॥৬৪

গৌর-কৃপা টীকা

৬১। শ্লোকী অর্থ তৌরি। বাহৈ পরেংগী অহানবদা অনুবাদ ওইবা শব্দ কমহনগনি, মাতুঙী মতুংদা বিধেয় ওইবা শব্দ কমহনগনি।

৬২। অনুবাদ অমসুং বিধেয় কদাইবু কৌবগে হাঙইবদু হাঙইজরি। খঙজিবা পোৎ অদুবু বিধেয় কৌই; অদুগা খঙলবা পোৎ অদুবুনা অনুবাদ কৌই।

৬৩। থুদম উত্তুনা অনুবাদ অমসুং বিধেয়গী মরম খঙহল্লি। মাতুদি, "ব্রহ্মণ অসি অকাওবা পণ্ডিতনি" বাহৈ পরেং অসিদা ব্রাহ্মণ হাঙইবা শব্দ অসি অখঙবা বাহৈনি অমসুং পণ্ডিত হাঙইবা শব্দ অসিনা খঙজিবনি। মাসিগী মরমদি মখাগী পরায়দা য়েংবিয়ু।

৬৪। মতৌ করম্বা ব্রাহ্মণ শব্দনা অনুবাদ ওইরে অমসুং অকাওবা পণ্ডিত শব্দনা বিধেয় ওইরে, মদু হাঙইজরক্লি। ব্রাহ্মণ অকাওবা—মী অদু হেক উবগা ব্রাহ্মণনি হাঙইবা খঙই, মরমদি মহাক্কী নগুণ অদু উবদা খঙবনি; মরম অসিনা ব্রাহ্মণ হাঙইরবা অসিদি হেক উবদা খঙদুনা হাঙইবনি অদুনা, ব্রাহ্মণ শব্দ অসি অনুবাদ ওইরে।

তৈছে ইঁহা অবতার সব হইল জ্ঞাত।
কার অবতার ?—এই বস্তু অবিজ্ঞাত ॥৬৫

অর্থ :—

মতৌ অমুম্না খঙলে অবতারগী রাকমদি।
কনাগী অবতারনো ? খঙদ্রি রাকম অসিদি ॥৬৫

গৌর-কৃপা টীকা

পণ্ডিততি খঙদ্রিবনি—মী অদুনা পণ্ডিত ওইবগী করিগুম্বা খুদম অমতং নগুণগী মতৌগুম্না খঙননবা চিহ্ন (খুদম) মশাদা লৈতে ; বাগী শাম্নরগা নত্রগা কমাগুম্বা অমনা তাকপীরগা খঙবনি ; বারী শামদ্রিবৈগী মখাংদদি উরগম্ম পণ্ডিতনি হাইব খঙবা ওমদে, অদুনা পণ্ডিত ওইরে হাঙীবসিদি কোম্না রাগী শামরগা খঙকম খোক্পা বাহৈ ওইবনা অমম্মুং হেক উবদা খঙকম খোক্তবনা 'বিধেয়' ওইরে, অদুগা অখঙবা অনুবাদ ওইবা ব্রাহ্মণা হায়া ইবগা খঙজিবা বিধেয় পণ্ডিতনা কোম্না ইবা হৌনৈ, মাম্মুম হাঙীনা ইবা অসি শাস্ত্রগী নিয়মগী মতুংইন্না ইরবনি।

৬৫। হৌজিক মথক্কী বিশ্বি মতুংইন্ন "এতে চাংশ" শ্লোকী অর্থ তৌরি অমম্মুং উংলি, করি উংলিবগে হাঙীবদা তক পাম্নো অর্থ হন্দোক্লিবসি শাস্ত্রগী মতুং ইন্না অর্থ তৌব্রে। "এতে চাংশ" শ্লোকা করম্বা শব্দনা অনুবাদ ওইবগে অদুগা করম্বনা বিধেয় ওইবগে হাঙীবদু পয়ার অসিদা লেপ্লে।

মতৌ অমুম্না মথক্কী পয়ার ৬৩ দা "ব্রাহ্মণ অসি অকাওবা পণ্ডিতনি।"—বাহৈ পবেং অসিদা অহানবদা অনুবাদ, তুংদা বিধেয় হাঁরবা মতৌ অমুম্না "এতে চাংশ" শ্লোকী অর্থ মতৌম্মু অহানবদা অনুবাদ, তুংদা বিধেয় হংগদবনি (হাঙীগদবনি)। শ্লোক অসিগী মথাংগী শ্লোক পূরমক্তা অবতার পূরমক্কী মমিং ইব্রে (হাঙীব্রে), মরম অসিনা কনাগুম্বনা অহানবা শ্লোকক্তী মথংশিংনা পালিরক্পদা মমৈথংদা 'এতে চাংশ' শ্লোক য়োরক্পা মতমদা অবতার পূরমক্কী মমিং মহাক্না খঙবিগনি, শ্লোক অসিদা ইরিবা "এতে" শব্দনা অবতার পূরমকপু খঙনৈ হাঙীবসি পাবিরিবশিংনা ইদাঙী-লাঙীনা খঙবিরগনি। মরম অদুনা অবতার খঙনরিবা "এতে" শব্দনা অনুবাদনি। কনাগী অবতারনো—অবতার পূরমক্কী মমিং হাঙীব্রে ; মখোঙী অদু কনানা কনাগী অবতারনো। খঙদ্রি রাকম অসিদি—কনামা কনাগী অবতারনো হাঙীবা রাকম অসিদি খঙদ্রে। মরমদি, মথক্কী শ্লোক পূরমক্তা শেংনা হাঙীখিদ্রি। মরম অসিনা হাঙীখিদ্রিবা খঙদ্রবা পোংশক শব্দ অদু বিধেয় ওইগনি। শ্লোক্তা "পুংসঃ অংশ

'এতে' শব্দে অবতারের আগে অনুবাদ।
'পুরুষের অংশ'—পাছে বিধেয় সংবাদ॥৬৬
তৈছে কৃষ্ণ অবতার-ভিতরে হৈল জ্ঞাত।
তাহার বিশেষ জ্ঞান—সেই অবিজ্ঞাত॥৬৭

অর্থ

'এতে' শব্দনা অবতার—মমাং অনুবাদনি।
'পুরুষগী অংশ' তুংগী বিধেয় খঙহনবনি॥৬৬
অতুম্বা কৃষ্ণ, অবতার-মনুংনি খঙলবনি।
অবতার মনুং ওইবগী জ্ঞান্দি খঙদ্রিবনি॥৬৭

গৌর-কৃপা টীকা

কলাঃ—নীপাগী অংশ অমসুং কলা" বাহৈ অসিদা অবতার তৌরম্রিবা মথোঙী অসি নীপানা (পুরুষনা) অবতার তৌরকপনি হাঙীবা কোংদাগে—খঙদ্রিবা পোৎকী (অবতারগী মথক) খঙনবা বাখী তাকপা ওইরে; মরম অসিনা "পুংসঃ অংশ কলাঃ" না বিধেয়নি।

৬৬। "এতে" শব্দনা অনুবাদ খঙনবা অমসুং "অংশ কলাঃ" শব্দনা বিধেয় খঙনবা ওই হাঙীদুনা "এতে" শব্দনা মমাংদা ইগনি অমসুং "অংশ কলাঃ" শব্দনা তুংদা ইগনি, অদুনা "এতে পুংসঃ অংশ কলাঃ" অদুম্বা ইদুনা অর্থ তৌগনি "এতে" শব্দনা অবতারগী বা হাঙীবা মরম্না মাসি অনুবাদ ওইরে হাঙীদুনা হান্না মমাংদা ইরে। 'পুংস অংশ কলাঃ' না বিধেয়নি হাঙীদুনা তুংদা ইরে। বিধেয় খঙহনবনি—খঙদ্রিবা পোৎকী খঙনবা মরম লৈবা; খঙদ্রিবা পোৎপু বাখী লৌদুনা খঙহনবা। পয়ার অসিদা শ্লোকতা য়াওরিবা "এতে চাংশ কলাঃ পুংসঃ" শরুক অসিগী অর্থ লোইরে।

৬৭ "এতে চাংশ" শ্লোকী অহানবা পরেংগী (চরণগী) অনিশুবা শরুকী অর্থ তৌজরি,—"এতে চাংশ কলাঃ পুংসঃ" না শরুক অমা; "কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ং" না শরুক অমনি। মথকী পয়ারদা অহানবা শরুকী অর্থ তৌরে। হৌজিক অনিশুবা শরুকী অর্থ তৌজরি আনশুবা শরুক্তা অনুবাদ খঙনহন। কদায়া শব্দনা অমসুং বিধেয় খঙ-বনা কদায়া শব্দনো হাঙীবত্থু পয়ার অসিদা হাঙীরি।

অতুম্বা—মতৌ অতুম্বা। মথকী শ্লোক পুম্নমক। অবতার পুম্নমকী মমিং ইরে হাঙীদুনা অবতার পুম্নমক অখঙবা পোৎ ওইরে, মতৌ অতুম্বা ভগবানগী অবতার পুম্নমকী মনুংদা কৃষ্ণগী মমিং ইরে হাঙীদুনা কৃষ্ণসু অখঙবা পোৎনি। কৃষ্ণ, অবতার মনুংনি অসিনচিংবা—অবতার (পুম্নমকী মমিংগী) মনুংদা (কৃষ্ণগী মমিংসু ইরে হাঙীদুনা) কৃষ্ণ অখঙবা পোৎ

অতএব 'কৃষ্ণ'-শব্দ আগে অনুবাদ।
'স্বয়ং ভগবত্ত্ব' পিছে বিধেয় সংবাদ ॥৬৮
'কৃষ্ণের স্বয়ং ভগবত্ত্ব' ইহা হৈল সাধ্য।
'স্বয়ং ভগবানের কৃষ্ণত্ব' হৈল বাধ্য ॥৬৯

অথ

মরম'সিনা 'কৃষ্ণ' না অনুবাদনি হায়না ইরি।
'স্বয়ং ভগবান'না বিধেয়নি কোয়না ইরি ॥৬৮
'কৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবান' ওইবা অচুম্বনি।
'স্বয়ং ভগবানা কৃষ্ণ' ওইবা অরানবনি ॥৬৯

গৌর-কৃপা টীকা

ওইরে, মরম অসিনা অবতার মখুং ওইবগী জ্ঞান্দি—কৃষ্ণগী মরমদা খঙকম থোকপা জ্ঞান্দি; কৃষ্ণগী মশক্তি। খঙ'ড্রবনি—তাক্লি্রবনি। মথকী শ্লোক পূর্ণমক্তগী কৃষ্ণ অবতার অমনি হাঙ্গবদি খঙলে; ভগবানগী অমদি পুরুষগী অংশনা মায়াগী জগৎতা অবতার ভোবদা মহাকপু অবতার কোই, অদুগা স্বয়ং ভগবানা মায়াগী জগৎতা অবতার ভোবা মতমদা মহাকপুন্থ অবতার কৌই শ্রীকৃষ্ণ আস করম্বা মথলগী অবতারনো হাঙ্গবত্থুদি মথকী শ্লোক পূর্ণমক্তগী খঙত্রিবনি। "স্বয়ং ভগবান" শব্দনা কৃষ্ণগী শক্তাকপা মরম তাকপা ওইরি, মরম অসিনা "স্বয়ং ভগবান" শব্দনা বিধেয় খঙনবা ব হৈ ওইরে।

৬৮। মরম অসিনা কৃষ্ণ শব্দনা অথঙবা অমসুং "স্বয়ং ভগবান" শব্দনা খঙত্রিবা মরম তাকপনি হাঙ্গিহুনা কৃষ্ণ শব্দনা মথাংদা ইগনি, মরমদি মসি অনুবাদ-নি (অথঙবা পোৎনি)। "স্বয়ং ভগবান" শব্দনা তু দা ইগনি মরবদি মাসি খঙত্রিবা পোৎপু খঙননবা তাকপা শব্দ নি।

৬৯। অচুম্বনি—অরেপ্পনি, সাধ্যনি, খঙকম থোকপনি; বিধেয়নি। কৃষ্ণবুদি হায়না খঙলবনি: ভোইগুম্বসুং মতাক্লা স্বয়ং ভগবান ওই হাঙ্গবসি খঙলমদবনি; কৃষ্ণগী মরমদা মরী-মথোং মুম্ব থিরু.গা স্বয়ং ভগবত্তানি হাঙ্গবা খঙলকপনি; থিকরগা খঙবা, অদুন স্বয়ং ভগবান হাঙ্গবনি সাধ্যনি (বিধেয়নি)। বিধেয় ওইবা মরম অদুনা "কৃষ্ণস্তু স্বয়ং ভগবান" অসুমা হাঙ্গিহুনা অর্থ ভোবা অসিনা শাস্ত্রগী নিয়ম্নি অমসুং ":শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবানি, মহাক্লা অবতারীনি" অসুম্না অর্থ হনবা অসিনা অচুম্বনি হাঙ্গনা শাস্ত্রনা প্রমাণ পীরি। অরানবনি—শাস্ত্রনা য়াদবনি, চুমদবনি, অসিদ্ধনি। "স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণ:" অসুম্না অর্থ লৌরুববদি, স্বয়ং ভগবান শব্দনা হায়া ইরে (হাঙ্গরে), মরম অসিনা

কৃষ্ণ যদি অংশ হৈত অংশী নারায়ণ।
তবে বিপরীত হৈত সূত্রের বচন॥৭০

অর্থ

কৃষ্ণনা অংশ, নারায়ণ অংশী ওইর্বদি।
থোক্করে সূত্রগী বাহৈগা মায়বদি॥৭০

গৌর-কৃপা টীকা

"স্বয়ং ভগবানবু" অনুবাদনি হায়না নীংবা তাবে। অদুগা কৃষ্ণ শব্দনা কোয়া হায়বে হায়দুনা বিধেয়নি হায়না নীংবা তাবে। তৌইগুম্বনুং "স্বয়ং ভগবান" শব্দনা অনুবাদ ওইবা য়াকম থোক্তে; মরমদি, মথক্কী শ্লোক পূম্বমক্তা "স্বয়ং ভগবান" শব্দ শিজিন্নখিদ্রি, স্বয়ং ভগবানগী মরমদস্থ করিগুম্বা বা অমা কাওবা হায়খিদ্রি, মরম অসিনা "স্বয়ং ভগবান" নি হায়বসি হংম্না থওবা নত্তে অদুনা অথওবা পোৎ (অনুবাদ) ওইবা য়াদে। অদুগা মথক্কী শ্লোক পূম্বমক্তা "কৃষ্ণ" শব্দ ইখিবা মরম্না "কৃষ্ণ" অথওবা পোৎনি (অনুবাদনি), থওজিবা পোৎ বিধেয় নত্তে। মরম অসিনা "স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণ" অসুম হায়না ইদুনা অন্বয় অর্থ তৌবা শাস্ত্রগী নিয়ম নত্তে, অয়ানবনি। অদুনা "স্বয়ং ভগবান্না কৃষ্ণ" ওইবা হায়ংসি অয়ানবনি। কবিরাজ গোস্বামীগী অর্থ অসিন শাস্ত্রগী মতু ইম্না চুম্বনি অমসুং তর্ক (১ রৈ) পাম্বশিগী অর্থ (হায়বদি নারায় ১ স্বয়ং ভগবান ওইবা, শ্রীকৃষ্ণগা মাগী অংশ—অবতার-অমুম্বা অর্থ তৌব) শাস্ত্রগী নিয়ম নত্তে—হায়বদু পয়ার অসিদা উচ্চার॥

৭০। অত্তে মা যুক্তি অমনা তর্ক পাম্বশিংগী অর্থ ককথংলি, পয়ার অনি অসিদ।

শ্রীকৃষ্ণনা অংশীনি, স্বয়ং ভগবানি, নারায়ণ শ্রীকৃষ্ণগী সাইওন্নি অংশনি (বিলাসনি, মাসুম্না অর্থ তৌবা অসিনা শ্লোক্কী চপ-চাবা অর্থনি। অদুগা নারায়ণ্না অংশীনি, স্বয়ং ভগবানি অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী অংশনি হায়না অর্থ লৌবা ভাববদি শ্রীসূত—গোস্বামীনা "কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ং" হায়দুনা ওন্-তৈননা (স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণঃ) অসুম্না হায়রমগদবনি। মতম অমদা ওন্-তৈননা হায়রমল্রে, শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবানি—অসুম হায়না অর্থ লৌরম্রে। থোক্করে মায়বদি—ওন্-তৈনরে। "কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ং" গী ওন তৈনবা বাহৈদি, "স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণঃ" অসিনি। শ্লোক্তা য়াওরিবদি "কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ং" অসিনি।

কবি কবিরাজনা লাইরিক্তা (ঝামাটপুরগী লাইরিক্তসু) "সূত্রগী" হায়বদা "গুক ইবা য়াওই, তৌইগুম্বসুং ৫৬ মথক্কী পয়ারগা মরী লৈনবনা সূত্রনা হায়বনা চুম্মী হায়না নীংঙি।

'নারায়ণ অংশী যেই স্বয়ং ভগবান।
তেঁহ শ্রীকৃষ্ণ—ঐছে করিত ব্যাখ্যান॥৭১
ভ্রম, প্রমাদ, বিপ্রলিপ্সা, করণাপাটব।
আর্য-বিজ্ঞ-বাক্য নাহি দোষ এই সব॥৭২

অর্থ :—

নারায়ণগী অংশী স্বয়ং ভগবান ওইহনবা।
শ্রীকৃষ্ণনা অংশনি হায়না অর্থ লৌবা॥৭১
ভ্রম, চেকশিন্দবা, লৌনম-তৌনীংবা দোষ লৈবনি।
অশিংবা ঋষিগী বাহৈ দোষ লৈতবনি॥৭২

গৌর-কৃপা টীকা

৭১ তর্ক পান্বশিংনা 'শ্লোক মাওরিবা অসিগী মতু' ইন্না অর্থ তৌদনা এম-তৈননা নারায়ণগী অংশীনি শ্রীকৃষ্ণনা অংশনি হায়না অংপম্বি তৌরিবসিগী পাওখুম ওইনা গ্রন্থকার কবিরাজ গোস্বামীনা হায়রি—মাথৌ, শ্লোক মাওংরিবা বাহৈশিং অতু:সংহনা অহুম থম্লগা অর্থ তৌরমদাইদা "স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণ" অসুম হায়না লৌহনা অর্থ তৌবা অসিনা শাস্ত্রগী নিয়ম অচুম্বা ঙাকপা তাঁরবাদ শ্রীধর স্বামীনচিংনা শ্রীমদ্ভাগবতকী টীকা তৌবশিংদু অহুম হায়না তৌরমগনবনি; তাইগুম্বসুং মখোয়দি শাস্ত্রগী নিয়ম ঙাকপনা অচুম্বনি হায়না থম্মুনা তর্ক পাম্বশিংগী মতুং কনা অমতম্ব ইন্দিবদরে, অহুনা মখোয়না (খাঙদগী কবিশিংনা) "কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ং" পাসিগী অর্থ অসিদা কাংদনবা অর্থ মতৌরে।

৭২। অমুম্বা থম্বা য়াই, সূত-গোস্বামীনা কাউহনা "স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণ:" গী মচমদা "কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ং" অসুম্বা হায়খ্রম্লে; অদুগা শ্রীধর স্বামীনচিংবা খাঙনগী লিরবা টীকাকারশিংনু শঙদনা "স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণ:" গী অর্থ ওইনা তৌখিরমাল্লে। মাসিগী পাওখুম ওইনা গ্রন্থকারনা হায়রি, সূত-গোস্বামীনা ভ্রম ওইবা (কাউবা) হাউবসি ওইথোক্তবনি অমসুং শ্রীধর স্বামীনচিংব খাঙনগী মহাজনশিংনা নীংশিংবগী শক্তি বাংলমগানে হায়না থনবা য়াদে। মরমদি, সূত-গোস্বামীদি ঋষিনি, আশিংবা মীনি; শ্রীধর স্বামীনচিংবা খাঙনগী মহাজনশিংদু ভগবান শঙলদুনা দোষ লৈত্রবনি। ভ্রম, চেকশিন্দবনচিংবা দোষ পূম্নমক অসি সাধারণ মীদা লৈ; ঋষিগী বাহৈদা অমসুং অশিংবা

বিরুদ্ধার্থ কহ তুমি, করিতে কর রোষ।
তোমার অর্থে অবিমৃষ্ট বিধেয়াংশ দোষ ৭৩
যার ভগবত্তা হৈতে অন্যের ভগবত্তা।
'স্বয়ং ভগবান—শব্দের' তাহাতেই সত্তা॥৭৪

অর্থ

নংনা ওয়না অর্থ তৌরে, হাঙ্গৈরগা শাউনি।
নংনা মথক-মথা ওয়না অর্থ তৌরবনি॥৭৩
মাগী অতোপ্পা ভগবত্তা ওইবতু।
'স্বয়ং ভগবান' হাঙ্গৈবা চুম্ন মহাক খক॥৭৪

গৌর-কৃপা-টীকা

মীশী হাইদা দোষ পূর্ণমক অসি লৈবা উপে, লৈসু লৈবক্লোই, মরমদি, মাগী শুদ্ধা দোষ লাকপদি; কৃষ্ণ অমসুং ভগবান খঙলবা অমিংবা মীশিংদি মাগী বা মা লাক্লবনি

রোষ—পোং নন্দবনু শোংবনি হাঙ্গৈনা খনবা অহুবু শম (অকাউবা) কৌই; মাহুদি, কোক্য়বু উরগা লুপা ওইরমাদ্রে হাঙ্গৈনা খনবা অসি শর-নি। চেকশিন্দবু—পুক্নিং চঙনা বাংপা। দোষ—ভ্রম, চেকশিন্দবা, লৌনম তৌনীংবা, ইন্দ্রিয় পঙথব মরি অসি দোষ হাকনি।

৭৩। পূর্বপক্ষ বাদীদা গ্রন্থকারনা হাঙ্গৈরি—"নংনা অর্থ তৌরিবসু শাস্ত্রগী মসু চ ক্ষ, শাস্ত্রগা চুনদবে, মাসি হাঙ্গৈরবসু নংনা শাওগদ্রি, নংনা অর্থ তৌরিবা অহুদি মথক-মথা ওয়নগী দোষ লৈরে" মরৈ য়েংলিবা মীনা তৌবা অর্থনা (স্বয়ং ভগবান তু কৃষ্ণঃ) অম্বুমা শ্লোকনা অর্থ তৌবা অসিদা বিধেয় "স্বয়ং ভগবান" না অনুবাদ "কৃষ্ণগী" মমাংদা হাঙ্গৈখিবনা মথক-থা ওয়বা (অবিমৃষ্ট-বিধেয়াংশ) দোষ লৈরে।

৭৪। শ্লোকক "স্বয়ং ভগবান" গী অর্থ চপ-চাবা, কোংদোকচরি মাগী (অর্থ ভগবত্তাদগী)। গুণ পূর্ণমক্না তুংকম ওইরিবা মহাক হুবু ভগবান কৌই, গুণ মতাম লৈরিবা অসিগী মমিং ভগবত্তা কৌই। অতোপ্পা অতোপ-অতোপ্পা ভগবংকী মশক। মহাকী ভগবত্তাদগী অতোপ-অতোপ্পা ভগবংকী মশক পূর্ণমক পুথোক্না শোংদোকপা ওইবা মাগী ভগবত্তা অহুদা অতোপ-অতোপ্পা ভগবত্তাগী তুংনকা মরু ওইনা হুবু স্বয়ং ভগবান্ কৌই।

দীপ হৈতে যৈছে বহুদীপের জ্বলন।
মূল এক দীপ তাহা করিয়ে গণন ॥৭৫
তৈছে সব অবতারের কৃষ্ণ সে কারণ।
তার এক শ্লোক শুন কুব্যাখ্যাখণ্ডন ॥৭৬

অর্থ :—

থাওমৈময়াম পুথোকপা য়াই অমদগী থাওমৈ।
ময়াম অদু মরুদদি অমত্তনি থাওমৈ ॥৭৫
অদুম্না অবতার ময়াম থোক্কম মরু কৃষ্ণনি।
শ্লোক অমা তাও, অরানবা ব্যাখ্যা করুনবনি ॥৭৬

গৌর-কৃপা টীকা

৭৫-৭৬। "স্বয়ং ভগবানগী" খুদম উচ্চরি। অবতার ময়াম—যুগাবতার—মন্বন্তরাবতারনচিংবা অবতার পুম্নমক। থাওমৈ— মৈ।

থাওমৈ অমদগী মৈ চামা-চামা লৌথুনা থাওমৈ থানবা য়াই, অহানবগী থাওমৈ অদুদি অকোনবগী ময়াম অদুগী হৌরককম মরুনি, মতৌ অদুগুম্না শ্রীকৃষ্ণদগী মশিং থীবা ভগবৎকী মশক পুথোকই হাঙ্গদুনা শ্রীকৃষ্ণন হংখোঙ্গ ময়াম অদুগী মরু ওইবা মপা ওই, অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবাননি, হাঙ্গবদি থাওমৈ অমগী অনিশুবা থাওমৈ অমা, মহুদগী অমুক অহুম শুবা থাওমৈ অমা, মহুদগী মরিশুবা থাওমৈ অমা, মতৌ অদুম্না মথং মথং মশিং থীবা ভগবদনবা থাওমৈ পুথোক্লবদু অহানবগী থাওমৈ অদুবদি অহোঙ্ক ময়াম অদুগী মরু ওইবা মপানি (কারণনি) হাঙ্গনা নীংবা য়াই অদুগ অহানবগী থাওমৈ অদু তান্দুনা (চাক্লা) লৈরমত্রবদি অতৈ অতোপ্পা থাওমৈ ময়াম অদু অমতমু পুথোকপা য়ারোই), মতৌ অদুম্না শ্রীকৃষ্ণদগী মহাসঙ্কর্ষণ, মহাসঙ্কর্ষণগী মহাবিষ্ণু, মহাবিষ্ণুদগী গর্ভোদকশায়ী অমসুং মৎস্য কূর্মনচিংবা অবতার ময়াম পুথোক্লবদু শ্রীকৃষ্ণ মতোমদনা ভগবৎকী মশক পুম্নমক অদুগী মরু ওইবা মপা ওই; মরম অসিন শ্রীকৃষ্ণতনা স্বয়ং ভগবাননি। থাওমৈ অমদগী থাওমৈ মশিং থীবা ভগবদনা লৌথোক্লবদু হৌরককম মরু থাওমৈ অদুগী মৈতান্ হনবদে, অদুগুম্বনা শ্রীকৃষ্ণদগী মশিং থীবা ভগবদবা ভগবৎকী মশক পুথোক্লবদু শ্রীকৃষ্ণদা গুণ অমসুং শক্তি ময়েং তাবিবা লৈতে। থাওমৈদগী মসিমা প্রমাণ ওইরি।

তথাহি (ভা, ২।১০।১-২)

অত্রসর্গো বিসার্গশ্চ স্থানং পোষণ মুতয়ঃ।
মন্বন্তরেশানুকথা নিরোধো মুক্তিরাশ্রয়ঃ॥
দশমস্য বিশুদ্ধ্যর্থং নবানামিহ লক্ষণম্।
বর্ণয়ন্তি মহাত্মান. শ্রুতেনার্থেন চাঞ্জসা॥১৫

গোর-কৃপা টীকা

শ্লোক। ১৫। অন্বয় অত্র (মসিদা — শ্রীমদভাগবততা) সর্গঃ (সর্গ), বিসর্গ. (বিসর্গ) স্থানং (মক্কম লৈবা), পোষণ (য়োকপা) উতয়ঃ (থবক পান্বা), মন্বন্তরেশানু কথ: (মন্বন্তর থুনিংগী মনুনাচিংবগী, ঈশ্বরগী অমসুং ভক্তশিংগী মরমচং) নিরোধঃ (শ্রীহরিনা তূম্বা, মুক্তিঃ (মুক্তি, মাযাগী অবাবা কেংকৃপা) চ (অমসুং) আশ্রয়ঃ (চংজকম) (এতে দশার্থ :) (পোং মরম তরা অসি) [লক্ষন্তে] (উই) মহাত্মানঃ (মহাত্মাশিংনা, অথঙবশিংনা) ইহ (পুরাণ অসিদা) দশমস্য (পাংলম তরাগী চজকমগী) বিশুদ্ধ্যর্থং (তত্ত্ব-জ্ঞান ফংননবগীদমক), নবানাং (সর্গনচিংবা পোংলম মাপনগী) লক্ষণং (মশক) শ্রুতেন (শ্রুতিনা), অর্থেন (অর্থনা) অঞ্জসা চ (অমসুং সাক্ষাৎ ওইনা, সংশংনা) বর্ণয়ন্তি (হায়রি, শীংথারি)।

অনুবাদ। শ্রীমদ ভাগবত — ১। সর্গ, ২। বিসর্গ, ৩। মক্কম, (৪) য়োকপা ৫। থবক পান্বা, ৬। মন্বন্তর থুনিংগী মনুনাচিংবগী লমচং, ৭। ঈশ্বর অবতারগী অমসুং ভক্তশিংগী লমচং, ৮। হরিনা মিং উকশিনবা তূম্বা, ৯ মুক্তি অমসুং ১০। চংজকম — পোংলম তরা অসি য়াওব, উই। তরা শুবা পোং অসিদ, চংজবদা তত্ত্ব-জ্ঞান ফংননবগীদমক মহাত্মাশিংনা অতোপ্পা পোংলম মাপনগী মশকপু কবি-কবিগুহ মকনদা শ্রুতিনা, কবিগুশ্বদগু শব্দোক্ত অর্থ তৌদুনা বারী লৌদুনা কবিগুম্বা মকমদনা ভগবানগী গুণ তাংদুনা সাক্ষাৎ ওইনা শীংথারি। ১৫॥

শ্রীশুকদেব গোস্বামীনা হায়রম্মী, শ্রীমদভাগবত—পুরাণগী মশক তরা (তস্য ইদং ভাগবতং পুরাণং দশলক্ষণম (ভা, ২।৯ ৪৩॥) ; শ্লোক অসিদা য়াওরিবা পোংলম তরা অসিগী মশক করি করিনো হায়রগু শ্রীশুকদেবনা কোংদোক্লম্মী। তরা অদুগী মশক্তি অসিনি :—

১। সর্গ—ভূতমাত্রেন্দ্রিয়ধিয়াং জন্ম ব্রহ্মণ। গুণবৈষম্যাৎ॥ভা, ২।১০।৩॥ ঈশ্বরগী আকাশনচিংবা মহাভূত মঙা, শব্দনচিংবা পঞ্চতন্মাত্র, ইন্দ্রি তরামাথোই থোরকপনি অদুনা মাবু (ঈশ্বরবু) সর্গ কৌই।

গৌর-কৃপা টীকা

২। বিসর্গ – বিসর্গঃ পৌরুষঃ স্মৃতঃ। ভা, ২।১০।৩॥ ব্রহ্মাদগী অচৎচত্তা সৃষ্টিগী মচুংবু বিসর্গঃ কৌই। সর্গ অমসুং বিসর্গ শব্দ অনি অসিগী অর্থনা সৃষ্টিবু খঙনৈ ; খেন্নরিবদি অসিনি, ব্রহ্মাগী সৃষ্টিবু বিসর্গ কৌই, মহুগা গুণ অহুম মায়না লৈতবা মরম্মা হাঙ্গৈবদি খেন্নবা মরম্মা পরমেশ্বরদগী মহাভূত মঙানচিংবা শেম্ববু (সৃষ্টিবু) সর্গ কৌই।

৩। মফম অমদি লৈবা (স্থানং) স্থিতিবৈকুণ্ঠ বিজয়ঃ। ভা, ২।১০।৪॥ বৈকুণ্ঠ—বিজয়গী মমিংবু মফম কৌই। বৈকুণ্ঠগী অর্থদি ভগবান-নি, বিজয়গী অর্থদি চাওখৎপা ময়াম্ব, খঙনৈ। শেম ক্লবা পোৎ পুম্নমকী মর্য্যাদা (ইকাই খুম্নবা) ঙাকপন লৈশেম্বা মপু (সৃষ্টি কর্ত্ত) ব্রহ্মাদগী অমসুং সংহার কর্ত্ত শম্ভু (মাঙহনবা মপু শম্ভু) দগী হৌহনা ভগবানগী অখোইবা চাওখৎপা ময়াম অসিবু মফম (স্থিতি, স্থানং) কৌই। অতোপ্পা অর্থ অমনা, বৈকুণ্ঠ—ভগবান, বিজয়—ভম্ব, মাইপাকপা, অতোপ্পা অমবু মাইথীবা পীরগা ভম্বা, মাইপাকপা ওই। ভগবাম্না জীবগী অৱাবা অহুবু মাইথীবা পীহুনা ভম্বা হাঙ্গৈবদি অৱাবা অহুবু কোকহনবা অহুবু স্থিতি কৌই।

৪। য়োকপা—পোষণং তদনুগ্রহঃ। ভক্তগী মফমদা ঈশ্বরনা চানবিবা অহুগী মমিং য়োকপা কৌই।

৫। মন্বন্তর—মন্বন্তরাণি সদ্ধর্ম্মঃ মন্বন্তর খুদিংগী মনুনা চৎবা ঈশ্বরনীংবা সাধুশিংগী লমচৎকী মশক ওইবা ধর্ম্মগী মমিংবু মন্বন্তর কৌই। খাইনা য়ানরবা সাধুশিংগী লমচৎতা কোংদোক্লিবা ধর্ম্মগী মমিংবু মন্বন্তর কৌই।

৬। থবক পাম্বা—উতয়ঃ কর্ম্মবাসনঃ। মায়াগী জগৎ অমসুং মায়াগী জগৎ নত্তবা মরম অনি অসিগী থবক্তগী হৌরকপা (পোক্লকপা) অপাম্ববু থবক পাম্বা (উতি) কৌই।

৭। ঈশ্বর অবতারগী অমসুং ভক্তশিংগী লমচৎ— অবতারানুচরিতং হরেশ্চাস্যানুবর্ত্তিনাম্। পুংসামীশকথা : প্রোক্তা নানাখ্যানোপবৃংহিতঃ॥ ভা, ২।১০।৫॥ মশাল মখা ময়াম্বা ৱারীনা থম্নবা ভগদবতার (ভগবৎ-অবতার) পুম্নমকী লমচৎ অমসুং ঈশ্বরনীংবা সাধুশিংগী অক্লবা ৱারীগী মমিংনি

৮। হরিনা তুম্বা—নিরোধোহস্যানুশয়নমাত্মনঃ সহ শক্তিভিঃ। ভা, ২।১০।৬॥ মহা-প্রলয়দা শ্রীহরিনা প্রকৃত প্রপঞ্চ (মায়া জগৎ) কী মফমদা য়েংলম্বদগী মমিং উঠশিনখিবা অহুবু হরিনা তুম্বা কৌই, মতম অহুদা জীব পুম্নমক ইথুংতো মাতোন্দা চংশিনখি (তিনখি)। মতৌ অসুম্না জীবনা তুং ইন্দুনা তুম্বা অসিবু নিরোধ কৌই।

গৌর-কৃপা-টীকা

৯। মুক্তি—মুক্তির্হিত্বান্যথারূপং স্বরূপেন ব্যবস্থিতিঃ ॥ভা, ২।১০।৬॥ জীব অহুনা অরাবগী মশক ওইবা মায়া সংসারদা পুক্নিং লুপ্নখত্থ খাংখোক্তুনা রাইশংনা অশেংবা জীব ওইবা ওমজরবা হাঙ্গৈবদি ঈশ্বরগী লোঙ্গৈনবা ওইনা লৈবা ওমজরবা অদুগী মমিংবু মুক্তি কৌই।

ঈশ্বরগা (ভগবৎস্বরূপকা) উনরবদি (উনবা নত্তনা) জীবনা মতোমদা অশেংবা জীব ওইবা ওমদে হাঙ্গৈবদি মায়াদগী লাম্থোকপা, কোকপা ওমদে। মরম অসিনা মুক্তি কংলে হাঙ্গৈরব দ ভগবৎস্বরূপকা উনরে হাঙ্গৈনা খঙনগনি।

১০। চংজকম (আশ্রয়)—আভাসশ্চ নিরোধশ্চ যতোহস্ত্যধ্যবসীয়তে। স আশ্রয়ঃ পরং ব্রহ্ম পরমাত্মেতি শব্দতে ॥ ভা, ২।১০।৭॥ ইবুংঙো মাপন্থান্দগী জগৎ (বিশ্ব) অসি পোকপা অদুগা অমুক লৌশিনবা অমসুং লৌশিনখ্রবা মতুংদগীসু অমুকসু কোংদোক্পিরিবা মকাক্তী মমিংবু চংজকম কৌই। নীংবা (উপাসনা) থেঙবা এক্মা কনাগুম্বনা মাবু ব্রহ্ম কৌই; কনাগুম্বনা পরমাত্মা কৌই, কনাগুম্বা খরনস্তু মাবু ভগবান কৌই। মতাং অসিদা ইরিব, মতুংগী তাইনরিবা শ্লোক "দশমে দশমং" পাহৌনা অসিদগী খঙবিবা ওন্থিগনি চংজকমগী মরু (আশয় তত্ত্বদি) শ্রীকৃষ্ণতনি।

তর অসি মহাপুরাণগী মশক রু, হাঙ্গৈবদি পাংলম তরা অসিগী মরমদা ইরিবা (ভাব তাহল্লিবা) পুরাণ অদুগী মমিং মহাপুরাণ কৌবা য়াই। শ্রীমদ্ভাগবত তরা অসিগী মরমদা শন্দোক্না নীংথিনা ইবা উই। তরা অসি য়েংবদা অমগা অমগা মায়েং হঙ্গৈনা নীংলবসু পুরাণ অমতমা পুম্নক খাস ইবদা খোইদোকপ ওকাঙ্গৈবা লৈতে, মরম অসিনা তর তুবা অসিনা চংজকম তত্ত্বনি (আশ্রয়তত্ত্বনি) অমসুং অমদগী মাপনতুব কাংবা অসিনা মাঙোন্দ চংজরিব তত্ত্ব; মরম অসিনা এমদগী মাপন কাওবগী মশক অসি খঙ্ঙবদি তর তুবা আশ্রয় তত্ত্ব অসিগী মশক মুল্লা খঙবা ওমদে : হাঙ্গৈবদি শ্রাস্ত্র পুম্নমক্না (পারমার্থিবাদ) আশ্রয় তত্ত্ব মশক খঙ্শ্বান। মরম অদুনা তরা তুবা পোংলম আশ্রয় তত্ত্ব (চংজকম মরু) মশক খঙননবগীদমক বিদুর—মৈত্রেয়নচিংবা মহাত্মাশিংনা সর্গনচাংবা পোংলম মাপনগী মশক হাঙ্গৈরম্মী (তাকলম্মী); সর্গনাচংবা মাপনগী মশক অসি মকম থুদংদ। সাক্ষাৎ ওইনা হাঙ্গৈরগ্বতা নত্তনা কবি কবিগুম্বা মফমদনা ভগবৎকী গুণ শক্তুনা খঙনববা বাহৈনা সাক্ষাৎ ওইনা, অমসুং কবি কবিগুম্বা মফমদনা য়ারী লৌহুনা অর্থ শন্দোক্না ব্যাখ্যা তৌহুনা তাকপিরম্মী।

আশ্রয় জাতিতে কহি এ নব পদার্থ
এ—নবের উৎপত্তিহেতু সেই আশ্রয়ার্থ
কৃষ্ণ এক সর্ব্বাশ্রয় কৃষ্ণ সর্ব্বধাম।
কৃষ্ণের শরীরে সর্ব্ববিশ্বের বিশ্রাম॥ ৭৮

অর্থ :—

'চংজকম' খণ্ডনবগীদমক পোৎ মাপন হাঙবনি।
মাপন অসিগী থোক্কম্দি চংজকম অসিনি॥৭৭
কৃষ্ণদা ময়াম্গী চংজকম্নি, তুংনকম্নি।
কৃষ্ণগী মশাদা জগৎকী পোথাকম্নি॥ ৭৮

গৌর-কৃপা টীকা

মথক্তা হাঙজরিবা পোৎলম তরা অসিগী মমুংদা তরা তুবা অসিনা থাইদগী অথোইবান ; মরম অদুনা প্রাকৃত (অচম্বা) অপ্রাকৃত (মায়াচংদবা) লৈবাক্তা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক অসিনা মাঙোন্দ চংজদব য়াংদে, অদুনা মহাক্তা থাইদগী অথোইবা ত্তুনি।

৭৭। মথকী শ্লোকী মমুংগী অর্থ ফাংদোকচরি। চংজকম—আশ্রয় তত্ত্ব। চংজকম্ খণ্ডননবগীদমক — তরাতুবা পোৎ মশক খণ্ডনবগীদমক। মাপন অসিগী — সর্গনচিংবা পোৎলম মাপন অসিগী। থোককর্দি—পোক্কমদি, মরম ওইবাদ। চংজকম অসিনি — সর্গনচিংবা পোৎ মাপনগী পোককম অসিনি।

চংজকম মশক খণ্ডননবগীদমক সর্গনচিংবা পোৎ মাপনগী মশক খণ্ডকম থোকই। মরমদি, সর্গনচিংবা পোৎ মাপনগী থোরককম অদুবু আশ্রয় (চংজকম) কৌই ; মরম অদুনা হাঙরিবা পোৎ মাপনগী মশক খণ্ডবা নত্তনা (খণ্ডত্রবদি) মথোদগী থোরককম ওইবা চংজকম (পাঙকম) পোৎ ওইবা অদুগী মশক তশেংনা খণ্ডবা ঙমদে।

(অরাইবা ব হৈদা হাঙরগা মনাও মশক খণ্ডদনা মপু মশক খণ্ডবা ঙমদে)।

৭৮। চংজকম অদু কনানো হাংদবদু ক্লৌজিক হাংজনক্লি। কৃষ্ণদা ময়ামগী চংজকম্নি — অমতা তাঙবা শ্রীকৃষ্ণদা পুম্নমকী চংজকম্নি। মথকী পয়াবদা হাঙজখরে, করিগুম্বা পোৎ অমদগী পেৎখরা পোক্লক্রদি পোকচন ওইরিবা পোৎ অদুবু পোক্লক্লিবা পোৎ অদুগী চংজকম কৌই। শ্রীকৃষ্ণদগী পুম্নমক পোক্লকই হাঙদুনা শ্রীকৃষ্ণবু পুম্নমকী চংজকম ওই। „জন্মাদ্যস্য যতঃ— শ্রীভা, ১/১/১॥ ঈশ্বরঃ পরমঃ কৃষ্ণঃ সচ্চিদানন্দবিগ্রহঃ। অনাদিরাদির্গোবিন্দঃ সর্ব্বকারণ — কারণম॥ ব্রহ্মসং ৫/১॥" অমদি,

তথা ভাবার্থদীপিকায়াম (ভা. ১০।১।১)
দশমে দশমং লক্ষ্যমাশ্রিতাশ্রয়বিগ্রহম।
শ্রীকৃষ্ণাখ্যং পরং ধাম জগদ্ধাম নমামিতৎ ॥১৬।

গৌর-কৃপা টীকা

মাঙোন্দগী জগৎ শেম্বা, লৌশিনবা অমসুং কোংদোকৃহল্লিবা মহাক অদু চংজকল্লি। শ্রীভা. ২/১০/৭॥ শ্রীকৃষ্ণদগী জগৎ পোক্লকই, প্রলয়গী মতমদা মাঙোন্দা তিনশিনখি (জমাদ্যস্থ যতঃ), মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণদা পূম্নমক্কী চংজকল্লি। চংজকমগী অর্থ অসি তুংকম ওইববুসু থওনৈ, অদুনা শ্রীকৃষ্ণদ' পূম্নমক্কী তুংনকমখি। তুংনকল্লি — ম্নুল্লি। মদোৌ করম্না শ্রীকৃষ্ণনা পূম্নমক্কী যুম অমদি তু'নকম ওইবগে? শ্রীকৃষ্ণগী মখাদা জগৎ পূম্নমক লৈ। প্রলয়গী মতমদা জগৎ পূম্নমক ইবুংঙো মাঙোন্দা চংখি, মরম অসিনা মতম অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা জগৎকী লৈফম ওই; সৃষ্টিগী তুংদা স্থিতিগী (লৈবগী) মতমদসু জগৎ পূম্নমক শ্রীকৃষ্ণদা লৈ (শ্রীকৃষ্ণদি মফম খুদিংদা শিন্থুংনা লৈ হাঙৈদুনা, ওমথে মাইবা জগৎ অসি ওমথে মাইদবা শ্রীকৃষ্ণদা লৈ), মরম অসিনা মতম অদুদসু শ্রীকৃষ্ণদা পূম্নমক্কী লৈফম ওই মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা মতম পূম্নমক্কা পূম্নমক্কী চংজকম ওই।

শ্লো।১৬ অন্বয় দশমে (শ্রীমদভাগবতকী তরাশুবা স্বন্ধদ) লক্ষ্যং (তাক্লিবা) দশমং (তরাশুবা পোৎ) আশ্রিতাশ্রয়বিগ্রহং (চংজরক্লিবশিংগী চংজকম মূর্ত্তি ওইবা) শ্রীকৃষ্ণাখ্যং (শ্রীকৃষ্ণ কৌবা) তং (অদুম ওইবা) পরং (অখোইবা) ধাম (মফম) জগদ্ধাম (জগৎকী চংজকম মফম) নমামি (খুরুমজরি)

অনুবাদ। ইবুংঙো মহাক চংজরক্লিবশিংগী চংজকম্ মূর্ত্তি ওইব, মহাক্কা পূম্নমক্কী চংজকম মহা অমসুং অমসুং জগৎ পূম্নমক্কী চংজকম ওইবা (হাঙৈবদি মহাক্কা সর্গনচিংবা পোৎ মাপনগী পোক্ফম্ ওইবা), শ্রীমদভাগবতকী তরাশুবা স্বন্ধদা তাক্লিবা অদুম ওইবা শ্রীকৃষ্ণ কৌবা তরাশুবা পোৎ অদুবু (চংজকম পোৎ অদুব) খুরুমজরি।১৬।

তাক্লিবা—তরাশুবা স্বন্ধদা শ্রীকৃষ্ণ অমসু শ্রীকৃষ্ণ লীলাগী মরমদা তাক্লিবা তরাশুব চংজকম পোৎ শ্রীধরস্বামী চরণ শ্রীকৃষ্ণবু চংজকম পোৎনি হাঙৈনা য়াৎখী। মদোৌ করম্না শ্রীকৃষ্ণনা চংজকম পোৎ ওইবগে? মাদু কেংদোক্লীংদুনা হাঙৈরম্মী—শ্রীকৃষ্ণনা চংজরক্লিব-শিংগী চংজকল্লি, অখোইব মাল্লি অমসুং ভগৎকাল্লি। চংজরক্লিবশিংগী চংজকম মূর্ত্তি—মহাকী মখা অদু চংজরক্লিবশিংগী চংজকম ওইবা, চংজরক্লিবা বাহৈ অসিন। কদাই কাওবা থওনবগে হাঙৈবদা সর্বসচিংবা জগৎকী সাক্ষাৎ—কারণ পূম্নমকপুসু থওনৈ। মখোঈ

কৃষ্ণের স্বরূপ আর শক্তিত্রয়-জ্ঞান।
যার হয় তার নাহি কৃষ্ণেতে অজ্ঞান॥ ৭৯

অর্থ:—

কৃষ্ণগী-মশকা শক্তি অহুমগা খঙবদা।
খঙদবা লৈতরে মহাক্ কৃষ্ণগী মরমদা॥ ৭৯

গৌর-কৃপা টীকা

পূর্ণমক শ্রীকৃষ্ণদা চংলবা ঙাক্কনি; শ্রীকৃষ্ণদা মখোইগী চংলকনি। অখোইবা মকম— মক ওইবা চংলকম। সর্বাশ্রয়চিংবা জগৎকী চংলকম্। ভগবৎকী মশক পূর্ণমক, ভগবত্তাম, ভগবৎকী পরিকরনচিংবগী আবির্ভাব পূর্ণমকনু শ্রীকৃষ্ণদগী ওইবনি; মরম অসিনা পূর্ণমক অসিগীদমু চংলকম মক শ্রীকৃষ্ণনি। মরম অসিনা প্রাকৃত অমসুং অপ্রাকৃত লৈবাক পূর্ণমকী মক চংলকম শ্রীকৃষ্ণনি।

শ্লোকক্তা য়াওরিবা "পরংধাম" শব্দগী খঙনরিবদি, ভগবংকী মশক পূর্ণমকী-পরব্যোমাধিপতি নারায়ণগীসু-চংলকম শ্রীকৃষ্ণনি; মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণদি নারায়ণগী অবতার ওইবা য়াদে। মাসিনা তর্ক পাম্বগী পুক্কিং অরা-বা অহু কহুবনি।

৭৯। শ্রীনারায়ণনা শ্রীকৃষ্ণদা চংলবা ওইরগা কনা কনাগুম্বনা শ্রীকৃষ্ণবু নারায়ণগী অবতারনি হায়রিবা খ'ন্ন মরমনো হায়না হংবা য়াই। চংলকম ওমনা কৈদৌউদম্বু চংলরক্কিবগী অবতার ওইবা য়াদে; মরমদি চংলক্কিবদগী চংলকয়া চাউবা লেপ্পী।

য়াহং অসিগী পাওখুম পয়ার অসিদা হায়রি, মখোইশিং অহুনা শ্রীকৃষ্ণগী মশক খঙল্লবদি, শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি অহুম খঙল্লবদি অচুম্বা সিদ্ধান্ত মশক খঙদে। শ্রীকৃষ্ণগী মশক খঙবা অমসুং মহাক্কী শক্তি অহুম মশক খঙবশিং অহুনা কৈদৌউদম্বু অরানবা য়া হায়দে, অচুম্বা সিদ্ধান্ত মশক খঙই।

কৃষ্ণগী মশক — শ্রীকৃষ্ণগী আবির্ভাব; শ্রীকৃষ্ণনা লাইওন্বা মথৌ মহাক্কী মশক ঙাক্কনি। শক্তি অহুম — শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি অহুম লৈ; মাদুদি, (১) অন্তরঙ্গা চিচ্ছক্তি, (২) বহিরঙ্গা মায়াশক্তি অমসুং (৩) তটস্থ জীবশক্তি — অহুম অসিনি। খঙবদা — শক্তি অহুমগা মশকা তাব তাবা ওমদ, জ্ঞান লাম্বা ফংবদা। খঙদবা লৈতরে — পূর্ণমক খঙদে। কৃষ্ণগী মরমদা খঙদবা — শ্রীকৃষ্ণবু নারায়ণগী অবতারনি হায়না ওমনা খনবা।

কৃষ্ণের স্বরূপে হয় ষড়বিধ বিলাস।
প্রাভব বৈভবরূপে দ্বিবিধ প্রকাশ ॥৮০
অংশ শক্ত্যাবেশরূপে দ্বিবিধাবতার।
বাল্য পৌগণ্ড ধর্ম্ম দুই ত প্রকার ॥৮১

অর্থ :—

শ্রীকৃষ্ণনা ওইবা বিলাস মখল তরুক থোক্ই।
প্রাভব-বৈভব ওইনা অনি অসিমা কোংদোক্‌ই ॥৮০
অংশ শক্ত্যাবেশ ওইনা অবতার অনি লৈ।
বাল্য পৌগণ্ড ধর্ম্ম মখল অনি লৈকু লৈ ॥৮১

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীকৃষ্ণ তত্ত্ব খঙবগীদমক অদুনা, লৈশমক্তিতৈদবী শ্রীকৃষ্ণনা সাইথন পুথোকপা পুম্নমক, শ্রীনারায়ণচিংবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী অবতারনি হায়বা (হায়বদি বিলাসরূপ অংশনি হায়বা) খঙবা ঙম্মী; মরম অদুনা শ্রীনারায়ণনা শ্রীকৃষ্ণদা চঙবনি। মরম অসিদগী শ্রীকৃষ্ণনা নারায়ণগী অবতার ওইবা হায়দ অদুগা মী অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি অমমগী তত্ত্ব খঙবা ঙম্লদ, মায়া জগৎ অসি শ্রীকৃষ্ণগী মায়াশক্তিনা শেম্লনি হায়বা খঙদে, অদুগা জীব পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণগী তটস্থা শক্তিগী অংশনি, অমসুং ভগবদ্ধামগা ভগবৎ পরিকরনচিংদা পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণগী চিচ্ছক্তি হায়বদি স্বরূপ শক্তিগী বিলাসনি হায়বা খঙবা ঙম্মী, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা মখোই পুম্নমক অসিগী মরুনি, চাংজকপনি। মতৌ অসুম্না ভগবৎ স্বরূপ পুম্নমক, প্রাকৃত অপ্রাকৃত পুম্নমকী অমসুং ধাম পুম্নমক্কী লৈরিবা পোৎ পুম্নমক্কী চংজকমদি শ্রীকৃষ্ণনি।

৮০—৮১। শ্রীকৃষ্ণগী মশক খঙনবা পয়ার ৮০-৮৩দা মরম পীরি। থাইগৎলবা মশক (স্বরূপ) নত্তবা অতোপ্পা মশক তরুক খক্তা পুনোক্লনা শাই। গেন্থক বগী (লাইরিক লেংলিবগী) মোংচা (মতম-তা) মশক তরুক অদুদি অসিনি :—১। প্রাভব, ২। বৈভব, ৩। অংশ, ৪ শক্ত্যাবেশ ৫। বাল্য অমসুং ৬ পৌগণ্ড। শ্রীকৃষ্ণগী মশক অৱৈবা মতৈগী মরী মখোই গ্রন্থকারনা হায়নীংঙি হায়না নীংঙি, মরমদি, মখোই পয়ারদা মহাক্না হায়রবা অদুগী রা মচিদি অসিনি, কৃষ্ণগী মশক পুম্নমক নীংশিনা খঙদবা মরম্না, কনা-কনাগুম্বনা শ্রীকৃষ্ণবু নারায়ণগী অবতার ওইরবোই নীংঙি; অদুনা মহাক্না শ্রীকৃষ্ণগী মশক পুম্নমক নীংথনা তাক্নীংঙি, অমসুং হায়রিবা আবির্ভাব মখল তরুকী মনুংদা ভগবৎকী মশক পুম্নমকসু চংহনা লৈরে হায়না গ্রন্থকারনা নীংঙি।

গৌব-কৃপা টীকা

লঘুভাগবতামৃতগী মোং-তা (মত) স্বয়ংরূপ, তদেক আত্মরূপ অমসুং আবেশ—মশক অহুম অসিগী মখুংদা মহৌশানা শ্রীকৃষ্ণগী মশক পুন্নমক মখুং চল্লী। 'কৃষ্ণস্য তৎ স্বরূপানি নিরূপ্যন্তে ক্রমাদিহ॥ স্বয়ংরূপস্তদেকাত্মরূপ আবেশ নামক: ইত্যসৌ ত্রিবিধং ভাতি প্রপঞ্চাতীতধামসু॥ ১০। ১১॥' মশক পুন্নমক অসি মায়া জগৎকী মাংমদা লৈবা ধাম্নি। ভগবৎকী মশক মথল অহুম অসিনা মায়া জগৎতা কুমথরকপা মতমদা মখোঙ্গীবু অবতারনি হায়্গনৈ।

'পূর্ব্বোক্তা বিশ্বকার্য্যার্থম পূর্ব্বা ইব চেৎ স্বয়ম। দ্বারান্তেরেণ বারিঃ স্যুরবতারাস্তদা স্মৃতাঃ॥ ল, ভা, কৃষ্ণামৃত, অবতার-প্রকরণ। মরম অসিনা লঘুভাগবতকী মোংতা মথল পুন্নমকী অবতারসু স্বয়ংরূপ, তদেকাত্মরূপ অমসুং আবেশ অহুম অসিগী মখুংচল্লি। মশক্কা, শককমদা বিচার তৌরগা উবা ফংডি, কবিরাজ গোস্বামীগী মোংতা প্রাভব, বৈভব অমসুং অংশ মখুংদা ভগবৎস্বরূপ পুন্নমক মখুংচল্লি, লঘুভাগবতামৃতগী তদেকাত্ম-রূপকী মখুংদা ভগবৎকী স্বরূপ পুন্নমক মখুংচল্লি মরম অসিনা লাইরিক অনি অসিগী মখুংদা অর্থ মান্নদবা কন্নিসু লৈতে

লঘুভাগবতকী মোংতা স্বয়ংরূপগী (মশামক) লীলা শান্নরীংহুনা মশাগা চপ মান্নবা মূর্ত্তি য়ামা পুথোকই, মতম অহুদা অয়াম্বা মপ্তিশিং অহু—মশামক্কা ফোংদোকপনি। কবিরাজ গোস্বামীসু ফোংদোকপা অসি য়ারি। য়াতুমা ফোংদোকপা অসিদা মথল অনি থোক্না থাঙ্গদোক্লি—বৈভব ওইনা ফোংদোকপা অমসুং প্রাভব ওইনা ফোংদোকপা। রাসলীলাদা অমসুং দ্বারকাগী ইন্দেমশিং লুহোংবদা শ্রীকৃষ্ণনা মপ্তি য়ামা মতম মতমদা পুথোকখি, পুথোকখিবা অহু প্রাভব—ফোংদোকপা কৌই অমসুং শ্রীবলরাম-না মহাকী বৈভবনা ফোংদোকপনি। "প্রাভব—বৈভবকী মশক ওইনা মথল অনি থোক্না ফোংদোকই। রাসকী মতমদা হকচাং অমতনা শকলোন য়ামা পুথোকখি। লুহোংবদসু হকচাং অমতনা মূর্ত্তি য়ামা পুথোকখি। অসূম হাঙ্গনা পুথোকপা অসিবু প্রাভব-প্রকাশ হাঙ্গনা শংস্রনা হায়্গরি। ২।২০।১৪০—৪১॥ বৈভব-প্রকাশনা শ্রীবলরামনি। শ্রীকৃষ্ণগা পুন্নমক শান্নংগা কুচুদমক খেন্নবনি। অসূম-বৈভব-প্রকাশ-ওই দৈবকী মচানা। ২২০।১৪৫—৪৬॥ দ্বারকাদা শ্রীকৃষ্ণনা পাম্বোম মরি পানবা মতম অহু বৈভব—বিলাস নি। "পাম্বোম অনি পানবা মতমদা প্রাভব—প্রকাশ কৌই। পাম্বোম মরিপানবা মতমদা বৈভব-বিলাস কৌই। ২২০।১৪৭॥'

লঘুভাগবতগী যুগাবতারগী শ্লোক ৪৫ শুবগী টীকাদা শ্রীবলদেব—বিদ্যাভূষণ পাদনা ইরম্মী—"প্রাভবেষু অল্পাঃ শক্তয়ঃ, বৈভবেষু তেভ্যো বাধকাঃ—প্রাভবনা শক্তি খজিক্কা ওইবা, বৈভবনা মাহুদগী শক্তি থরা হেন্নবা।"

গৌর-কৃপা টীকা

অংশ—লঘুভাগবতকী স্বাংশ ; "তাদৃশো ন্যূনশক্তিং যো ব্যনক্তি স্বাংশ ঈরিত :। সঙ্কর্ষণাদির্মৎস্যাদির্যথা তত্তৎস্বধামসু ॥ ল, ভা, ১৬ ॥ মহাক বিলাস-রূপনি হায়বদি থাদৈশোংবা মশাগা খেন্নহন্ত্রগা বিলাসতগী শক্তি থরা হেন্না কোংদোকপা অদু স্বাংশ কৌই, মাদুদি মশা মশাগী ধামদা সঙ্কর্ষণচিংবা পুরুষাবতার অমসুং মৎস্যনচিংবা লীলাবতারশিং অসিনি। শক্ত্যাবেশ—লঘুভাগবতামৃতগী আবেশ ; জ্ঞান-শক্ত্যাদি কলয়া যত্রাবিষ্টো জনার্দ্দন:। ত আবেশা নিগদ্যন্তে জীবা এব মহত্তমা: ॥ বৈকুণ্ঠেহপি যথা শেষো নারদঃ সনকাদয়ঃ। অক্রূর-দৃষ্টান্তে চামী দশমে পরিকীর্ত্তিতাঃ ॥ ল, ভা, ১৮-১৯ ॥ জনার্দ্দনগী জ্ঞান শক্তিনচিংবগী শরুক্কা অথোইবা জীবাশ দা চংহুনা লৈ, মথোঈশিং অদুবু "আবেশ" কৌই, মাদুদা বৈকুণ্ঠদা নারদ, শেষ অমসুং সনকচিংবা। অক্রূর মহাশয়না যমুনাগী ঈশিংদা লুপ্লদা বৈকুণ্ঠ উই, এতম অদুদা মহাক্কা শেষ, নারদ অমসুং চতুঃ সনকচিংববু উরম্মী বা অসি শ্রীমদভাগবতকী তরাশুবা স্কন্ধগী ৩৯ শুবা অধ্যায়দা ইরি।

অবতার অনি—মথল অনিগী অবতার, অংশাবতার অমসুং শক্ত্যাবেশাবতার। বাল্য—চহি মঙা শুবা ফাওববু বাল্য (অঙাং) কৌই। পৌগণ্ড—বাল্যগী মতুংদগী চহি তরা শুবা ফাওববু পৌগণ্ড (ধ.প্পন-যনঙাক ওম্বা অমসুং মহৈ তম্বগী মতম মতাং) কৌই। ধর্ম্ম—"বাল্য পৌগণ্ড আস বিগ্রহগী ধর্ম্মনি। ২। ২০। ২১৫ ॥

এতম মতনগী মতুংইন্না হকচাংদা ওইরকপা মওং অদুবু হকচাংগী ধর্ম্ম কৌই। নিত্যলীলা (নিতিগী অরেম্বা লৈতনা শাম্নবা লীলা) দা অনাদিকালদগী শ্রীকৃষ্ণনা হৌজিক ফাওবা কিশোরদা ওইদুনা লৈরি, মাসি মাগী অরেম্বা মশক্কি (কিশোরগী চহি মতাংদি ৫। ৯। ৭ থ্রাশং), কিশোরগী মশক ওহাম্নিডৈগী মতম অসিদা বাল্য পৌগণ্ড ওইনবগী (আবির্ভাব ওইনবগী) অহাংবা এতম লৈতে। প্রকট-লীলাদা (ফোংদোক্লা শাম্নবা লীলাদা) জন্মলীলা (পোকপগী লীলা) পুথোক্লকুনা শ্রীকৃষ্ণনা থাইদা অচম্বা অঙাং অমগী মতৌগুম্না উহল্লী ; অঙাং অসিগী মশা অসি নোংমগী অদুম অদুম চাওখৎলক্লুনা বাল্য অমসুং পৌগণ্ড ওইরকই। মতৌ অসূম্না বাল্য অমসুং পৌগণ্ড ওইরক্লিবসি শরুক্কগী মশাগী ধর্ম্মনি। প্রকট লীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা বাৎসল্যরস (মমা-মপানা মচাদা থুংশিবা রস) চুপকে হাঙ্গনা থাশকথি (য়াথি)—অমসুং সখ্যরস (মমারবা থুংশিনবগী রস) চুপকে হাঙ্গবগীদমক পৌগণ্ড ওইখি। পোকপদগী চহি মঙা ফাওবদা ওইরিবা হকচাংগী "মসুং পুক্নিংগী ফিবম উবা ফংদিবা অসি, শ্রীকৃষ্ণনা বাৎসল্যরস চুপকে হাঙ্গনা থাশকথবননি। রসকী পাত্র (মমা-মপান চংবা) ওইরিবা মী অদুগী মথা পোনগে মনীংথুংহনগে

গৌর-কৃপা টীকা

হাঙ্গনা য়াত্রবদি রস অহু চুপ্পা ওমদে। বাৎসল্যরসকী পাত্র ওইরিবা মমা; রস অহু চুপ্পা তারবদি মমাগী মঙক্রা মরম পুম্মক ননুবা (শিল্লবা) তারে। অদোং ওইরিদ্রেদা মশা মতোমতগী চাননবা চিঞ্জাক খিঞ্জবা ওখবে; মশাগী অরাম-খোৱাংবহু অদোংনা মাহু খণ্ডহনবা ওনজদে। মমানা লাম্মগী হাঙ্গনা নীংলগা পীদে; অদোংনা মশাদা তোংবা কা-চায়ুং কাওনা ভঙহনকপা ওমজদে; মখি-ময়ুং কাওবা মফম চানা কাইবা ওমদে, পুম্মক অসি মমানা শেন্নহুনা থাকপি। অদোংগী তোঙ্গনবহু মমানা ওই, মনাইগী খবকহু মমানা তৌই। মতৌ অসুম তৌহুনা মমানা মচাদা নুংশিবা অসি কংনীংলবদি পুক্নিংদা অদোংগী বাখল তোদবা য়াদে, হকচাংহু অদোং ভশেংবা ওইব তাই, অদোংনা মমাদগী শেবা কংজিবা নিঙ্গম্মা পাঙ্গং ওয়ুরগ কংদে, কংবহু ওমদে— মখোঙ্গ অনীগী মমুংদা হজোঙ্গনা (হুকাইবা) লাকই। চহি য়াম্মরবদি অদোংগী ভাব অহু পুক্নিংদা চঙবা ওমদে—হকচাংগী ফিবম চাংবা-লিংকপগী মতুংইন্না পুক্নিংগী বাখনহু মরী লৈনৈ। মরম অসি-নগী বাৎসল্যরস চুশকে হাঙ্গবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা অদোংগী ভাব ওই অমসুং হকচাংহু অদোং ওই—অদোং (বাল্য) ওইগে হাঙ্গনা খাশকখি; সখ্যরস চুপ্পনবগীদমক পৌগণ্ড—চহি মতাদগী তরা কাওবগী হকচাং অমসুং বাখন ওইখি।

হাঙ্গরিবা অদোং অমসুং পৌগণ্ড অসি নিত্য কিশোর শ্রীকৃষ্ণগী শকা মায়দে হাঙ্গহুনা অমসুং লীলাগী মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণনা অদোং অমসুং পৌগণ্ড ওইগে হাঙ্গনা খাশকখি হাঙ্গহুনা, বাল্য অমসুং পৌগণ্ড ওইরিবা অসি শ্রীকৃষ্ণ বিগ্রহগী ধর্মনে, অদুগা শ্রীকৃষ্ণবিগ্রহনা ধর্মীনি। বাল্য অমসুং পৌগণ্ড অসি মীওইবগী হকচাংদা ফোংদোকই হাঙ্গহুনা মীওইবগী হকচাংগী ধর্ম ওইরগুম্মা, প্রকট লীলাগী মতমদা লীলাগী মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণগী মশাদহু ফোংদোকই হাঙ্গহুনা বাল্য অমসুং পৌগণ্ড অসিসি শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী ধর্মনি। ধর্ম মখল অনি থোক্না লৈ—শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী ধর্ম মখল অনানি—বাল্য অমসুং পৌগণ্ড। মীওইবগী ধর্মদি য়াম্ন য়ামখরে—বাল্য পৌগণ্ড, কৈশোর, যৌবন, খুম পাল্লগা, অহল ওইরবা, শোল্লবা, অসিনচিংবা; তৌইগুম্লবসু শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী ধর্মদি অনিতনি—বাল্য অমসুং পৌগণ্ড। মতম চানা হকচাংগা থুংলম্লগ (ওইরম্লগা) অমুক মতম চানা হকচাংদগী চংখিবা অহুবু হকচাংগী ধর্ম কৌই; মীওইবগী মশাদা অদোংতা ওইহুনা অরেম্বা ওইহুনা লৈজে; ফিবম থুদিংমক মতম চানা থুংলম্লগা অমুক চংখি, মরম অসিনা অদোংনচিংবা ফিবম পুম্নমক অসি মীওইবগী হকচাংগী ধর্মনি। শ্রীকৃষ্ণগী কৈশোরগী ফিবমদি নিত্যনি (অরেম্বনি), অনাদি কালদগী (কৈশোরগী) মহাক্কী মশক্কী অরেম্বা ওইহুনা লৈরবনি; কৈশোরগী ফিবম অসি মতম চানা মশাদ থুংলম্লগা (ওইরম্লগা) অমুক চংখিবা লৈত্রবনি

কিশোরস্বরূপ কৃষ্ণ স্বয়ং অবতারী।
ক্রীড়া করে এই ছয়-রূপে বিশ্ব ভরি ॥৮২

অর্থ :—

কিশোরস্বরূপ কৃষ্ণদি স্বয়ং অবতারীনি।
মশাক তরুক'সিনা জগৎ থল্লা শান্নরিবনি ॥৮২

গৌর-কৃপা টীকা

(মাঙখিদ্রবনি), মরম অসিনা কৈশোর ওইবগী ফিবম অসি শ্রীকৃষ্ণ মশাঙ্গী ধর্ম নত্তে। অতুনা শ্রীকৃষ্ণগী চহি মতাং কৈশোর ধর্মীনি, মরমদি নিত্যকৈশোর আসনা বাল্য অমসুং পৌগণ্ড আবির্ভাব ওই। বাল্য অমসুং পৌগণ্ড অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী বিগ্রহদা (প্রকট লীলা) থুংলরগা অমুক মাঙখি; মরম অতুনা বাল্য-পৌগণ্ড হাইবসি শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী (বিগ্রহগী) ধর্মনি। যুয়ানবা মতম, অহল ওইবা, অশোনবা মতম (শিরমদাইগী মতম) অসিনচিংবা অসি সচ্চিদানন্দ শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংদা (বিগ্রহদা) চৎকৃপা ভুমদে হাইত্তুনা মথোঙ্গী অসি শ্রীকৃষ্ণ বিগ্রহগী ধর্ম নত্তে, ধর্মস্ত নত্তে। মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণবিগ্রহগী ধর্মদি শুপ্নগী অনিথংনি :—বাল্য অমসুং পৌগণ্ড। ১। ৪। ১১ পয়ারদা য়েং' যু।

৮২। মশাক তরুক অসিনা শান্নে হাইরবনন, মশাকী ধাঙ্গ-শংবা মশাক—মরু ফংবা মশাক অতু করিনো হাইবতু হাইজরক্রি অমসুং মহাক্না থাইজশংবা মশাক অতু ... করি মরমগীদমক অপোক্পা মশাক তরুক ওইনা সাইগু 'রব' হাইবত্তুসু হাইজরক্র। কিশোর স্বরূপা মহাক্না থাইজশংবে মশাক্তি (স্বয়ংরূপ, স্বয়ংরূপ মহাক অসি অবতারীনি অবতার পূরমক্না মরুনি; লীলা শরগে হাইবগীদমক মহাক্না অত্তোপ্পা মশাক তরুক শাইত্তুনা শান্নে

কিশোরস্বরূপ কৃষ্ণ—কৃষ্ণগী নর্তক কিশোরন, থাংজশংনা শব্ ওইত্তুনা নহাও অরেপ্পা ওইত্তুনা কিশোরগী ফিবমতা ওইত্তুনা লৈ, ... ১।৯।৭ শ্লোকসে ... হাংস্কু হেংহত্রে, হৌনসু হে ... নাপিনা অবেম্ম ওইত্তুনা ... লৈরবনি)। ... লীলা পূরমক, মীগী মওংদা শান্নরিবা লীলা অসিনা থুইদগী অথোইবনি, মীওই ... ওইবা অসিনা কৃষ্ণগী মশাক অশেংবনি। গোপগী ... (যণ- শনবগী ফিজেং) ... বেণ বাশী পাঙ্গবা, নবকিশোর নটবর (জগোই ...ব), মীওইবগী লীলাগুম্না শান্নরনি ২। ২: ৮৩॥"

স্বয়ং অবতারী—অবতার মরাম ... স্বয়ং অবতারী কোই, শ্রীকৃষ্ণদি মশাং কলাগুম্বা অমগী অবতার নত্তে, মাতোম্দগী অবতার পূরমক পুথোকপগনি, মহাক্তি

এই ছয়-রূপে হয় অনন্ত বিভেদ।
অনন্তরূপে এক রূপ, নাহি কিছু-ভেদ ॥৮৩

অর্থ :—

তরুক' সিদগী অনন্তরূপ পুখোকখিবনি।
অনন্তরূপ অদু অমত্তনি খেন্নদবনি ॥৮৩

গৌর-কৃপা টীকা

স্বয়ং—অবতারীনি। অনিশুবা পুরুষ (নীপা) গর্ভোদশায়ীদগী ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং রুদ্র গুণাবতার অহুম অসি পুখোকখি; মরম অসিনা গর্ভোদশায়ীদি গুণাবতারগী অবতারীনি; তৌইগুম্বসুং মহাক্না থাঙ্গেনেব স্বয়ং-অবতারীনি নত্তে; মরমদি, গর্ভোদশায়ী মশামক্তি অতোপ্পা মশক অমগী—কারণার্ণবশায়ীগী—অবতারনি। শ্রীকৃষ্ণনা অবতার পুম্নমকী মরূনি, মরম অসিনা মহাক্না অবতারীনি; অমসুং মহাক মশামক কনাগীসু অবতার নত্তে হাঙ্গৈদুনা মহাক স্বয়ং—অবতারীনি।

মশক তরুক—(১) প্রাভব, (২) বৈভব, (৩) স্বাংশ, (৪) শক্ত্যাবেশ, (৫) বাল্য অমসুং (৬) পৌগণ্ড। শ্রীকৃষ্ণনা তরুক অসি ওইনা জগৎপু ছাকপি অমসুং য়োকপি; পুরুষাবতার ওইরগা প্রকৃতিদু পুক্কি লাংহন্দুনা মহত্তত্ত্ব শেম্বা পুখোক্লগা জগৎ অপুম্ববু শেম্মী অমসুং ছাকই; যুগাবতারনচিংবা ওইদুনা অবতীর্ণ ওইরগা অমদি স্বয়ং ওইনা অবতীর্ণ ওইরগা (প্রাভব অমসুং বৈভব পুখোক্লদুনা) ফত্তবশিংবু লাকশিন্দুনা ধর্ম্মনা ময়েং তারক্কদবদগী জগৎপু ছাকপি; মাসিনা মরম ওইরগা শাইশিংগী মুংঙাইনবা খোঙ্গাং তৌদুনা য়োকপি; অশেংবা ভক্তি শন্দোকই অমসুং খোঙ্গাংলিব সাধকশিংগা উমদুনা মখোইগী প্রেম মুংঙাইবা লীলা অদু চাওখৎহন্দুনা জগৎপু চানবিবা থোংদোক্লুনা য়োকপি।

৮৩। হাঙ্গৈরিবা মশক তরুক অসিগী মরূ-মখোং পীরি। তরুক' সিদগী—প্রাভব-নচিংবা তরুক অসিদগী। অনন্ত মশক পুখোকখিবনি—মশিং থীবা ঙমদনা মশামগী লোংব্রবনি। প্রাভবগী মশুংদা— অমুক প্রাভব-প্রকাশ, প্রাভব-বিলাস, প্রাভব-যুগাবতার; বিলাসকী মশুংদা অমুক বিলাসকী বিলাস, মহাকী বিলাস অসিনচিংবা। বৈভবকী মশুংদা বৈভব-প্রকাশ, বৈভব-বিলাস, বৈভব-যুগাবতার; স্বাংশকী মশুংদা পুরুষাবতার, লীলাবতার, গুণাবতার; অবতারগী মশুংদা অমুক যুগাবতার, মন্বন্তরাবতারনচিংবা—অসিনচিংবা মথল য়াম্না অমসুং ভগবৎকী মশক য়াম্না লৈ। শন্দোকপা ব্যাখ্যাদি-মধ্যলীলাগী ২০ শুবা মতাংদা য়েংবিয়ু।

গৌর-কৃপা টীকা

অনন্তরূপ—মশিংথোকপা ওইবা মশক; মৎস্য-কূর্মনচিংবা মশিংথোকপা ওইবা মশক। মশক অমত্তনি—মৎস্যকূর্মনচিংবা মশিংথোকপা ওইবা মশকশিং অসি তোঙান-তোঙানবা মূর্ত্তি ওইহনা শাল্লরবসু মখোই খুদিংমক শ্রীকৃষ্ণনা আবির্ভাব (পুথোকপা) ওইবনি হাইহনা মতমদা অমত্তনি, করিসু খেন্নবা কৈতে; লীলাদা তোঙান-তোঙানবা শকক্ষম ওইরগসু মচুংদদি খেন্নবা নত্তে, মখোই স্বয়ংসিদ্ধ নত্তে। মরম অসিনা ভগবানশিংসিনা মশিংথোকপা ওইদনা মশক অমমম পুথোক্তনা শাল্লরবসু শ্রীকৃষ্ণ মতোমদনা শাল্লবনি; শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং অবতারী ওইবনা বাখল্লা লাল্লা কংত্রবা শক্তি পুথোক্তনা মতম অমতদা মশিংথোকপা ওইদনা শকলোন পুথোক্তনা শাল্লনা নৈ। শ্রীকৃষ্ণদা অনিশুবদবা জ্ঞানতত্ত্বনি (একমেবাদ্বিতীয়ম—শ্রুতি)। তৌইশুম্বা অমত: ওইরবসু মহাক্না মশাগী অঙকপা শক্তি (অচিন্ত্য শক্তি) পুথোক্তনা অমত্তা ওইরবা, অদু কাইহন্দনা মশিং য়াম্ন সাইহল্লী (একোহপি সন্ বহুধা যো বিভাতি। গো, তা শ্রুতি, পু ২০॥ কনাগুম্বা হৈশিংবা নীপা অমনা লীলা য়াওবা মতমদা করিগুম্বা মতম নিংথৌ শাই, করিগুম্বা মতমদা লাইরবা ভিক্ষারী শাই, করিগুম্বদনা পণ্ডিত অমসুং মূর্খ শাই, মহাক্না শারু-শারুবা মতম অহুদা মাগী পুক্নিং বাখল অদু মতম-মতম অহুগী ফিবমগী মতুংইন্না সুংত্তাইবা-অরাবা থর-থরা থংবা ওম্মী; মতো অসিগুম্না লীলাদা থরাই য়াওরবা শ্রীকৃষ্ণসু মাগী লীলাগী মকম ওইরিবা পৃথিবী অসিদা মশীং নাইদনা সাইওরগা ভক্ত অঙকপা রস চুপ্পী। অঙকপা মরম অমদি, মীওইবা ঐশ্বর্য্যদি য়াম্না হৈ-শিংহনসু মতম অমতদা নিংথৌগা লাইরবগা পুম্না পুথোক্তনা শাম্নবা ঙমদে. নিংথৌ শারুবা মতমদা নিংথৌ অহুগী পুক্নি—বাখল অহুসু চপ-চানা চংহনা লোংহন্দনা থদ্না ঙমদে; তৌইশুমসু শ্রীকৃষ্ণদি মহাক্না অঙকপা শক্তিগী পাম্বেনা মতম অমতদা মশীং নাইদবা শাইওন মশক পুথোকপা ঙম্মী অমসুং মশক খুদিংমক্কী লীলাসু, তশেংনা রস চুম্না ঙম্মী। অচোবা পুখ্রি অমগী মচুংদা সনাবুল, খুজাই, পুখম, তেঙ্গোৎনচিংবা মখল-মথা অয়াম্বা মওংগী পাত্র ঈশিং মচুংবা লুপহন্দনা থম্বদা পাত্র পুম্নমক অদু ঈশিংনা থম্না নৈ; পাত্র পুম্নমক অহুম চংহনা নৈরিবা ঈশিং অহুসু পাত্র অহুগী মতুংইন্না মওং অমসুং ওুণ অহুম মওইরে; পাত্রশিং অহুদা নৈরিবা ঈশিং অদু অতোপ-অতোপ্পা পাত্রনা নৈ হাইহনা তোপ্প-তোপ্পা উরবসু শঙলবসু থাঙ্গলেংবদি মখোই পুম্নমক অদু অতোপ্পা নত্তে, পাত্র পুম্নমক্কা নৈরিবা ঈশিং অদু পুখ্রি অমত্তগী ঈশিংনি; মরম অসিনা মশক য়াম্না নৈরবসু মখোই অমতনি, মাম্নবা পাত্রশিং অহুগা তিক্করুংদগী তোঙান-তোঙানবা মশক ওইনা উরুবতনি। শ্রীকৃষ্ণনা জগৎশিংহুংনা মকম খুদিংদা নৈ হাইরিবসি মতৌ অসিগুম্বনি। ইবুংঙো মহাক্না মতম

চিচ্ছক্তি স্বরূপশক্তি, অন্তরঙ্গা নাম।
তাহার বৈভবানন্ত বৈকুণ্ঠাদি ধাম ॥৮৪

অর্থ

চিচ্ছক্তি, স্বরূপশক্তি, অন্তরঙ্গা কৌবা।
মাগী বৈভবানন্ত ধাম বৈকুণ্ঠনচিংবা ॥৮৪

গৌর-কৃপা টীকা

মতম অমগী পাম্লকপা বাথংগী মতু ইম্না অতোপ-অতোপ্পা মফমদা অতোপ-অতোপ্পা মওং (ঘক্তি) ওইহনা লীলা শাম্নে অমসুং ভাবসু মাদুগী মতুংইম্না থল্লী। মবম অসিনা মতৌ শংসুম্না শক্রোন মযাম পুথোকলুবগসু মাওোন্দা লেংদনা শক অমতা ওইনা লৈতৌবদা করিস্থ অক্নাইবা লৈতে। মতৌ অসুম্না মফম অয়াম্বদা শক্রোন যাম্না পুথোক্নবা অওক-অওকপা ভাবকী লীলা শাম্লবগা অওকপা লীলাগী রস অদু শ্রীকৃষ্ণ মশানা চুপ্লী। (২।৯।১৪১ পয়ারদা য়েংবিয়ু।) পয়ার অসি কাওবা শ্রীকৃষ্ণগী মশকী মরমদা হাঈজরে।

৮৪। শ্রীকৃষ্ণগী মশকী মরমদা শীংথাহনবনিনা হাঙ্জিক্না মাগী শক্তিগী মরমদা শীংথাজরক্নি, পয়ার ৮৪-৮৬ দা। শ্রীকৃষ্ণগী অথোইবা শক্তি অহুম লৈ—মমিংদি, ১। চিচ্ছক্তি, ২। জীবশক্তি অমসুং ৩। মায়াশক্তি। শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিদি মাশিং থীবা ঙমদনা লৈংনি, মখুগী মনুংদা অহুম অসিনা অথোইবনি। (২।৮।১১৬) পয়ার অসিদদ চিচ্ছক্তিগী বারমক হাঈজরি।

চিচ্ছক্তিনচিংবা—চিচ্ছক্তিবু স্বরূপ-শক্তিসু কৌই, অন্তরঙ্গা শক্তিসু কৌই; মরম অসিনা মংগী মমিং অহুম অই মিং অহুম পুরিবা অসিগী মরম লৈ, মিং অহুম অসিনা শক্তি অসিগী মরূ ওইবা গুণ অহুম লৈ হাঈবা তাকই। চিৎ+শক্তি=চিচ্ছক্তি; চিৎ-কী অর্থদ অথওবা (চেতন) হাঈবনি; অদুনা চিচ্ছক্তি হাঈরগা অথওবা জ্ঞানগী মশক ওইবা শক্তিবু খঙনৈ; মাসি অপঙবা জ্ঞান য়াওদবা (অচেতন জড় শক্তি) নত্তে, মপঙবগী শক্তিনা (অচেতন জড় শক্তি) মশানা করিগুম্বা অমা তৌহনদা করিগুম্বা অমগী মকোক ওইবা ঙমদে, মশাগী শক্তিনা করিগুম্বা থবক অমা হোংদোক-হোংজিন শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌবা ঙমদে; অদুনা জ্ঞানগী শক্তি অমা য়াওরগা থবক তৌবা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং অথওবা জ্ঞানগী মশক ওইবা চিচ্ছক্তিদি মতৌ অদুম তৌদে; অথওবনি হাঈদুনা চিচ্ছক্তিনা মশানা..... .. .. করিগুম্বা পোৎরম অমগী মকোক ওইবা ঙম্মী অমসুং শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌবা ঙম্মী। চিচ্ছক্তি অসি মতম লৈবা থিবিক্না ভগবৎ স্বরূপত লৈ হাঈদুনা মহাকপু স্বরূপতা লৈবা শক্তি হাঈবদি স্বরূপ-শক্তি কৌই; অমা

গৌর-কৃপা টীকা

চিচ্ছক্তি অসিগা কোঈনরগতা ভগবৎ-স্বরূপক। ঊনৈ অমম্বং তশেংবা মরী লৈনৈ হাঙ্গীহুনা, চিচ্ছক্তিগী পান্থৈনা ভগবৎ স্বরূপ-না মতম লৈবখিবিক্তা মহাকী অন্তরঙ্গ লীলা পাঙথোকই, অহুনা মহাংপু স্বরূপ-শক্তি কৌই। স্বরূপতা লৈরিবা শক্তি অসি জ্ঞানগী মশক্তি (চেতনা-ময়ীনি) হাঙ্গীহুনা মহাকী খঙবা ঙম্বগী পাঙ্গলম্ব লৈ; খঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ হাঙ্গীহুনা শক্তি অহুনা ভগবৎ স্বরূপকী মন্নু গী খনীংবা লৈবা অহু ফোঙদোক্তুবন্ন খঙবদি ঙম্মী; খঙহীবা অহুকী মতু'ঙ্গা সেবা তৌবা তৌহুনা ভগবৎ স্বরূপকী নুংশাইবা পোক্হনবা ঙম্মী। শক্তি অসি ভগবৎ-স্বরূপকী মমুংদা লৈরগা ভগবৎস্বরূপ নুংঙাইহল্লী, মপান্দা ভক্তগী খমোংঙ্গ লৈরগা ভগবানগী পন্নবত্তা তৌব' ঙহন ভগবানবুন্ন ঙক্হনবা ঙম্মী। [illegible]

মাখি লৈবন্দ্রানন্দ--চিচ্ছক্তিগী লৈভব (বিভূতি) ঙংখৈ লৈতে, চিচ্ছক্তিগী মগুন [illegible] অনগনি। মাসি শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ মখল অহুম শক্তি-- [illegible] স্বরূপ শক্তিগীম্ন [illegible] [illegible] সন্ধিনী, [illegible] হ্লাদিনী

"শ্রীকৃষ্ণগী মশক্তি সচ্চিৎ আনন্দময়নি। অহুনা স্বরূপ শক্তি মখক অহুম থোক্লা ॥১।৮।১৮॥" [illegible] শক্তি [illegible] সন্ধিনী; সন্ধিনী শক্তিনা ভগবাম্না মশাগী [illegible] চিৎ--অংশগী লুচিংবী শক্তিগী মমিং সংবিৎ; সংবিৎ-শক্তিনা ভগবাম্না মশাবু খঙই, [illegible] খঙহল্লী। আনন্দ অংশগী লুচিংবী শক্তিগী মমিং হ্লাদিনী, হ্লাদিনী শক্তিনা ভগবাম্না মশাবু নুংঙাইবা [illegible], ভক্তশিংবুসু নুংঙাইবা [illegible]। "আনন্দাংশনা হ্লাদিনী, সদংশনা সন্ধিনী। চিদংশ--না সংবিৎ ওই হাঙ্গীনা 'জ্ঞান' কৌগনি ॥২।৮।১১৭॥"

শক্তি অহুম অসিগী মনুংদা, সন্ধিনী গুণ সংবিৎতা সংবিৎকী গুণ হ্লাদিনীদা লৈ, [illegible] অসিনা চিচ্ছক্তি অসিগী লৈরিবা গুণ মখল অহুম অসিগী মনুংদা হ্লাদিনীনা পুম্নমক্কী গুণ চঙবা হেল্লী (১।৪।১৫)। শক্তি অহুম অসিগী বিলাস অমদি সাইঙনবসু অনন্তনি (ঙংখৈ লৈতে)। হ্লাদিনীগী শাইওন অমগী মমিং প্রেম কৌই; প্রেমগী অরোইবা শক্লোন (থমথোংবা শরুক) মহাভাবনি; মহাভাব অসিগী মশক্তি শ্রীরাধানি; অতোপ-অতোপ্পা ব্রজগী নিংথিবীশিংসু অতোপ-অতোপ্পা ভগবৎ-স্বরূপকী চাম্বথোইবীশিংসু হ্লাদিনীগী মশক্তি। অতোপ-অতোপ্পা মখলগী জ্ঞান অসি সংবিৎতগী শোকখিবনি। শ্রীকৃষ্ণগী ভগবত্তাজ্ঞান অসি সংবিৎকী মচি ওইবা শক্তি; ব্রহ্ম খঙবা অমচিবা মহাকী মমুং হল্লী।

মায়াশক্তি বহিরঙ্গা—জগত-কারণ।
তাহার বৈভবানন্ত ব্রহ্মাণ্ডেরগণ ॥৮৫

অর্থ

মায়াশক্তি বহিরঙ্গা– জগৎকী মপানি।
অনন্তব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক মাগী বৈভবনি ॥৮৫

গৌর-কৃপা টীকা

"কৃষ্ণবু শক থণ্ডহনবদি সংবিৎনা থণ্ডহল্লী ব্রহ্ম-জ্ঞানচিংসি মাহুগী মহুং চল্লী ॥১।৪ ৫৮ ॥" সন্ধিনী শক্তিগী মচি ওইবা শরুকী মমিং শুদ্ধসত্ত্ব কৌই : ভগবদ্ধাম পুম্নমক, ভগবদ্ধামদা লৈরিবা ভগবানগী শ্রীমন্দির, কয়ূ, ফিদানচি বা অমসুং লীলা শান্নরিবা ভগবৎস্বরূপকী মমা-মপানচিংবা ইমুং-মনুং কোঙ্গনবা পুম্নমক (পরিকরবর্গ) পুম্নমক অসি সন্ধিনী অথোইবা মচি ওইবা শুদ্ধসত্ত্বগী সাইওন্নি হাঙ্গৈবদি শুদ্ধসত্ত্বদগী থোকখিবনি। অতোপ-অতোপ্পা লীলাগী মচাকশিংসু স্বরূপ শক্তিদগী থোকখিবনি।

মতৌ অসুম তৌহনা বৈকুণ্ঠ চিংবা ভগবদ্ধাম পুম্নমক, ভগবৎকী কোঙ্গনবা পুম্নমক, লীলাগী মচাক পুম্নমক্তিংবা অসি শিনশক্তিগী সাইওন্নি হাঙ্গৈবদি চিচ্ছক্তিগী বিভূতিনি। শক্তিমান্দা শক্তিনা চংজবা হৌনবনিনা শ্রীকৃষ্ণদা পুম্নমক অসিনা চংজে।

অতোপ্পা অর্থ অমনি, মাগী বৈভবানন্ত—মশিং থীবা ঙম্দবা বৈকুণ্ঠধাম অসি চিচ্ছক্তিগী বৈভবনি। ভগবানগী মশক্তি (স্বরূপ-শক্তি) মশিং থীবা ঙমদে অনন্তনি, স্বরূপ খুদিংগী ধামবু বৈকুণ্ঠ কৌই, মরম অসিনা বৈকুণ্ঠসু মাশং থীবা ঙমদে অনন্তনি, মশিং থীবা ঙমদবা ভগবদ্ধাম পুম্নমক অসিসু চিচ্ছক্তিগী বৈভবনি।

৮৫। পযার অসিদা মায়াশক্তিগী মরম হাঙ্গৈজরি। বহিরঙ্গা মায়াশক্তি—মায়া কৌবা অসিনা ভগবানগী শক্তি ওইরবসু ভগবৎ স্বরূপদা শোকচবা ঙমজদে; ভগবৎ স্বরূপকী নিত্যলীলা ওইরিবা মফমগী মনাচন্দবা মপান্দা জড়-মায়াশক্তিগী লৈকন্নি। অঙানবগা অমম্বগা মফম অমতদা পুন্না লৈবা য়াদে, অমম্বনা অঙানবগী (মৈঙাংগী) মপান্দা লৈ, মতৌ অদুগুম্না ভগবান অমসুং মায়াসু মফম অমতদা লৈবা য়াদে, ভগবৎ—স্বরূপকী লীলা তৌরিবা মফমগী মপান্দা মায়াগী লৈকন্নি। "কৃষ্ণনা সূমিৎ কুম্বনি, মায়ানা অমম্বনি। কৃষ্ণগী মফমদা মায়ানা চংবা ঙমদবনি ॥২।২২ ২১॥' থাজৈ-শোবমক, মায়ানা ভগবানগী মিংম্নেংগী লম্বিদা লৈজবা ইকাইজে (লৈব ঙমদে)।

গৌর-কৃপা-টীকা

"বিলজ্জমানয়া যস্য স্থাতুমীক্ষাপথেঽমুয়া। শ্রীভা, ২।৫।১৩॥" মায়াদি শক্তি লৈতে হায়রিবনা চিংবী মশক ওইবা শ্রীভগবান্দগী মতম লৈবা থিবক্তা লাপ্না লৈ, মরম অসিনা মাবু বহিরঙ্গা শক্তি (মপান্দা লৈবা শক্তি) কৌই; মাগী মশা অহুনা মপান্দদা লৈ হায়রিবনা, মহাক্কী মমিং মপান্দালৈবা (বহিরঙ্গা) শক্তি কৌই। কারণার্ণবগী মাইকৈ অমরোমদা চিন্ময় ভগবদ্ধাম লৈ, অতোপ্পা মাইকৈ অমরোমদনা জড মায়া লৈ; মরম অসিনা মায়াদি মতম লৈবথিবিক্তা ভগবদ্ধাম অমসুং ভগবৎস্বরূপগী লাপ্না মপান্দা লৈ, মরম অহুনা মাবু 'মপান্দা লৈবা' হায়না থঙনখ'র ভগবান স্বরূপকী লীলাদসু মায়াগী করিগুম্বা মফম অমতা লৈতে। করি হায়রক হায়গদগে, ভগবৎ স্বরূপ্না মায়াগী জগৎতা অবতীর্ণ ওইরবা মতমদসু মায়াগা মহাক্কা করিগুম্বা মরী অমতা লৈনদে। হংবা য়াই, মায়া অসি ভগবৎ শক্তি ওইরবদি ভগবানগা মহাক্কা করিগী মরী লৈরোইদৌরিবনো? শক্তিগা শক্তিমানগা তিন্নবা হায়বসি মতম কুইরবদগী শোঙইরক্লবনি। মাসিগী পাউখুমদি অসিনি, ভগবানগী স্বরূপ শক্তিগী অঙকপা মশক্না মায়া অসি মাগী শক্তি ওইরবসু ভগবানগা মায়াগা মরী লৈনদে।১২১১ শ্লোকতা য়েংবিয়ু।

অমুকা হংবা য়াই, শক্তিগা শক্তিমানগা মহৌশাদগী তিন্নরক্লবনি, মায়াগা ভগবানগা করিগুম্বদা তিন্নবা উদে, মতম অতুদা মায়া অসি ভগবৎকী শক্তিনি হায়বা য়াবগী করি প্রমাণ লৈবগে? গীতাদা শ্রীকৃষ্ণ মশামক্না হায়রম্মী, মায়াদি মহাক্কী শক্তিনি; "দৈবী হ্যেষা গুণময়ী মম মায়া দুরত্যয়া ৭।১৪॥" হায়রিদা গুণময়ী মায়াবু শ্রীকৃষ্ণনা হায়রম্মী, "ঐগী মায়া" শ্রীমদ্ভাগবতসু মাহুগী প্রমাণ কৌই। "ঋতেঽর্থং যৎ প্রতীয়েত ন প্রতীয়েত চাত্মনি। তদ্বিদ্যাদাত্মনো মায়াং যথাভাসো যথা তমঃ॥ ২।৯।৩৩॥" অমুকসু প্রমাণ লৈরি মাহুদি, সৃষ্টিগী পাউগী থউব উম্মী, ঈশ্বরগী শক্তিনা মায়ানা মাগী থবক সৃষ্টিগী থবক—পাঙথোকই, মাসিনসু থউবা উম্মী, মায়া হায়বা অসি ঈশ্বরদা চংজবা শক্তি অমনি, মরম অসিনা ঈশ্বরগী শক্তিনি।

মায়াগী খুদম, মতৌদি অহানবা মংগী শ্লোক ২৪ দা য়েংবিয়ু। মায়াগী লমচৎ অনিনি—গুণ মায়া অমসুং জীব মায়া। সত্ত্ব, রজঃ অমসুং তমঃ অহুম অসি লৈবা প্রকৃতিবু গুণ মায়া কৌই। গুণ মায়া অসিনা মহত্তত্ত্বচিবগী মচাক ওই। অহুগা মায়াগী লমচৎ অমনা মপানগী বহির্মুখ জীবগী মশকপু কুপশিন্দুনা মায়াগী পোত্তা "ঐ ঐগীনি" হায়বা জ্ঞান পোকহল্লী মাহুবু জীব মায়া কৌই। গুণ মায়ানা বিশ্বগী গৌণ উপাদান—কারণ ওই অমসুং জীবনা বিশ্বগী গৌণ নিমিত্ত কারণ ওই মায়াদি জডাশক্তি (পাঙগল য়াওদবা) নি হায়রিবনা মশানা জ্ঞান য়াওদে, মরম অহুনা মহাক্না

জীব শক্তি তটস্থাখ্য- নাহি যার অন্ত।
মুখ্য তিন শক্তি—তার বিভেদ অনন্ত ॥৮৬

অর্থ :—

জীবশক্তি তটস্থা কীবা মাগী অন্ত লৈতে।
মরু ওইবা শক্তি অহুম, খেন্নবাদ ওমথৈ লৈতে ॥৮৬

গৌর-কৃপা টীকা

মশানা থনক তৌবা ওম্বগী শক্তি লৈতে। তৌইগুম্বস্তুং ঈশ্বরগী শক্তিনা পাংজল ওইজবগা জ্ঞান য়াংদবা অপঙবা মায়া অসিনা বিশ্ব (জগৎ) শেম্মী। "অচেতনাপি চৈতন্যযোগেন পরমাত্মনঃ। অকারোদ্বিশ্বম খণ্ডমনিত্যং নাটকাকৃতিম্॥ শ্রী-ভ ২৯:৩ ক্রমসন্দর্ভধৃত আয়ুর্বেদ—বচন॥" জ্ঞানগী মশক ওইবা ঈশ্বরগী শক্তিন জীব মায়া জীববু তমহৎপা ওম্মী অমসুং ঈশ্বরগী শক্তিনা গুণ মায়াসু মশক ওহোক ওনাশন তৌবা ওম্মী। আদি লীলাগী মঙাশুবা শতাংদা য়েংবিয়ু।

জগৎকী মপানি—(জগত-কারণ), মায়া জগৎকী মপানি।

মপা (কারণ) মথল অনিনি—নিমিত্ত কারণ শেম্বিবা মপা অমসু উপাদান কারণ—(মচাকী মপা) কনাগুম্বা মী অমনা করিগুম্বা পোৎ অমা শাই। বাহে-পরেং অসিদা পোৎ শারিবা মী আস, পোৎ অদুগী নিমিত্ত—কারণ (শেম্বিবা মপা) কোই, অদুগা মচাক থরনা পোৎ অদু শারিবনি, অদুনা মচাক অদু পোৎ অদুগী উপাদান কারণ মচাক কোই মাহুদি, চফু শাবনা লেবাক। চফু শাই, মকুম অসিগী চফু শাবা মী অসি চফুগী নিমিত্ত কারণ মপা নি অদুগা লৈবাক মসন চফু অদুগী উপাদান—কারণ—নি, মচাক্কি ব্রহ্মাণ্ড বিশ্বগী কারণদা—গুণ মায়ান উপাদান—কারণ-নি (মচাক্কি) অমসুং জীব মায়ানা নিমিত্ত—কারণ—নি (মপানি), মসি বিশ্বগী গৌণ কারণ—নি, মুখ্য (মনাওইব) কারণ-নত্তে, মপুং-ফাবান মঙাশুবা মতাংদা য়েংবিয়ু

অমা ওইগে ওইসনু, ঈশ্বরগী শক্তিনা মাদদগী অনন্ত কোটি প্রাকৃত (অচেতনা, মায়া) ব্রহ্মাণ্ড সৃষ্টি হোই (শেম্মী), নরম আসনা অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ড অসি মায়াগী বৈভবনি। মাগী বেভবনি—মায়াগী বেভবনি। অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ড অসি বহিরঙ্গা মায়াশক্তিগী বেভবনি, বহিরঙ্গ মায়াশক্তিনা শক্তিমান শ্রীকৃষ্ণদা চংদে, নরম অসিন মায়াশক্তিগী বৈভব ওইব। ব্রহ্মাণ্ড পুঃ সু শ্রীকৃষ্ণদা চংদে, শ্রীকৃষ্ণ অসি মথোংগী চংজলম্মি, পায়র পাটিম মাংলম লে লেংকচরে।

৮৬। তৌজিক জীবশক্তিগী ওয়াদা হায়জার। জীবশক্তি অনন্ত কোটি জীব, ভগবানগী শক্তিগী বৈভবনা ওইরিবা অদুবু জীব—শক্তি কোই। জীব অসি ভগবানকী

গৌর-কৃপা-টীকা

শক্তি মথল অমনি, মাসি বিষ্ণুপুরাণতা য়াওরি। "বিষ্ণুশক্তিঃ পরা প্রোক্তা ক্ষেত্রজ্ঞাখ্যা তথাপরা। অবিদ্যা কর্ম্মসংজ্ঞান্যা তৃতীয়া শক্তিরিষ্যতে॥ ৬।৭।৬১ ॥—বিষ্ণুগী শক্তি অহুমগী মমুংদা চিৎস্বরূপ পরাশক্তি, ক্ষেত্রজ্ঞাখ্যা জীবশক্তি অমসুং অবিদ্যাখ্যা মায়া শক্তি।" গীতাদসু মাসিগী প্রমাণ লৈরি। "অপরেয়মিতস্ত্বন্যাং প্রকৃতিং বিদ্ধি মে পরাম্। জীবভূতাং মহাবাহো যয়েদং ধার্য্যতে জগৎ ॥৭।৫॥ হে মহাবাহো পার্থ। অপরা প্রকৃতিদগী—অতোপ্পা ঐগী অথোইবা অতোপ্পা জীবভূত প্রকৃতি (শক্তি) অমা লৈ'রি।" গীতাগী বাহৈ মতুংইন্না উবা ফংই, জীব হায়বা অসি ঈশ্বরগী প্রকৃতি মথল অমনি, প্রকৃতি থল অসিনি হায়রুনা জীববু ঈশ্বরগী শক্তি হায়ই। "প্রকৃতিত্বেনৈবেষত্বেন তস্য শক্তিত্বম্। পরমাত্ম সন্দর্ভঃ।৩৭॥" শক্তি ওইরবগী মরম অমদা অসিনা ঈশ্বরনা মুদংম কুম্বা, জীবনা মতান্দা লৈবা কুপগী পাংইহনা লৈব উপলগুর্নি। "একদেশস্থিতস্যাগ্নের্জ্যোৎস্না বিস্তারিণী যথা। পরস্য ব্রহ্মণঃ শক্তিস্তথেদমখিলং জগৎ॥ বিষ্ণুপু, ১।২২।৫৪॥" জীব অসি ঈশ্বরগী মতান্দা লৈবনি হায়রুনা অদেম্না লৈতবা ঈশ্বরদা চংজরি অমসুং ঈশ্বরনা মাবুসু নিয়ম নাইনা থম্বিবি। ঈশ্বরনা সৃষ্টি লোগে হায়না নীংলকপা মতমদা জীববু পুখোকপি, অদুগা ঈশ্বরনা সৃষ্টি লীলা অসি থুগাইল্লগে হায়না থনবা মতমদা জীববু চিংশিনবি (কোংদোকপিদে)। মরম অসিনা জীব অসি ঈশ্বর শক্তি অমনি। জীব শক্তি জ্ঞানগী মশক্তি (চেতনাময়ীনি)।

"জ্ঞানাশ্রয়ো জ্ঞানগুণশ্চেতনঃ পরঃ পরমাত্মসন্দর্ভধৃত প্রাক্তনবচন ১৯॥" মরম অসিনা জীব অসি বহিরঙ্গা জড়া মায়াশক্তি নত্তে, মায়াশক্তিগী মমুংদা চন্দে, "ন জড়ো ন বিকারী। পরমাত্মসন্দর্ভঃ।১৯॥ অদুগা মুমিংকী মতাম্না কুমিংকী মমুংদা চংহনা লৈতে, অদুগুমহনা ভগবানগী মতান্দা য়াম্না কুপ্না লৈরিব জীবশক্তিসু, মায়া শক্তিগী মতোগুম্না ভগবানগী স্বরূপকী মমুং চম্না-লৈতে; মরম অসিনা জীবশক্তি অসি স্বরূপ শক্তি নত্তে, স্বরূপ শক্তিগী শক্তিগী মমুংদা লৈতে। মতৌ অদুগুম নত্তনা মায়াশক্তিগী মথা দসু অনন্ত ব্রহ্মাণ্ড চিৎশক্তিগী মমুং দসু অনি শক্তিগী মমুং দা হায়রুনা জীবশা অদুগুমনা শক্তিসু কৌই (মরক্তা লৈবা শক্তি) তট-শব্দগী অর্থ তীরদা থাগা সমুদ্রগী মানা ঈশিংগা নক্নবা হায়না থম্বনি। ঈশিং মমুংদা লৈব হামবু নত্তে, লান্দগী অরাম্ন হায়বসু নত্তে; অদুগুমহনা জীব শক্তিসু স্বরূপ শক্তিগী মমুংদা চন্দে, মায়াশক্তিগী মমুংসু চান্দে। মরম অদুনা জীব-শক্তিবু তটস্থা শক্তি (মরক্ত লৈবা শক্তি) কৌই।

তটস্থা কৌবা—মরক্তা লৈব শক্তি, জীব শক্তি। অসি অমত্তা লৈতে—মখল অমা ওইবা তমদে। অনন্ত কোটী ব্রহ্মাণ্ডগী অনন্ত কোটী জীব অসি অসি জীব শক্তিগী অংশনি।

এ মত স্বরূপগণ, আর তিন শক্তি।
সভার আশ্রয় কৃষ্ণ-কৃষ্ণে সভার স্থিতি ॥৮৭

অর্থ :—

মতৌ অসুম্না স্বরূপশিংগা শক্তি অহুমগা।
পূম্নমক্কী কৃষ্ণদা ওই চংফমগা লৈফমগা ॥৮৭

গৌর-কৃপা টীকা

প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ড নত্তবা অপ্রাকৃত ভগবদ্ধামদসু সাধনসিদ্ধ অমসুং গরুডনচিংবা নিত্যসিদ্ধ জীব লৈ; মখোঙ্মসু তটস্থা-শক্তিগী অংশনি।

অনন্ত কোটী ব্রহ্মাণ্ডগী অনন্ত কোটী জীব অমসুং অপ্রাকৃত ভগবদ্ধামগী সাধন-সিদ্ধগা নিত্যসিদ্ধ জীবশিং পূম্নমক ভগবানগী জীবাখ্যা তটস্থা শক্তিগী বৈভবনি, অমসুং জীব শক্তিনা শক্তিমান শ্রীকৃষ্ণদা চংজৈ হাপ্পিহুন', শ্রীকৃষ্ণ অংস মখোঙ্গী চংফম্মি।

মক্ক ওইবা অহুম্নি—১ অন্তরঙ্গা স্বরূপশক্তি, ২। বহিরঙ্গা মায়াশক্তি অমসুং ৩। তটস্থা জীবশক্তি, অহুম অসিন' শ্রীকৃষ্ণগী মক্ক ওইবা শক্তিনি। অহুম অসিগী মসু দা অন্তরঙ্গা স্বরূপশক্তিনা শাখাইবনি। মসিগী মমাংদ পয়ারদা ৮৪ দা ব্যাখ্যাদা চিচ্ছক্তিগী বৃত্ত পূম্নমক্কী মমুংদা হ্লাদিনীনা অথোইবা হাপ্পিরে, মরম অসিনা হ্লাদিনীনা থাই পূম্নমক্কী অথোইবনি। ১১৪ দা পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু।

থেম্নবদি ভবথৈ লৈতে—মক্ক ওইবা শক্তি অহুম অসিনা অমুক মশিং নাইদনা মখল মখল য়াম্ন হাপ্পিখরে।

৮৭। শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ পূম্নমক্কা অমসু শক্তি অহুমগী মরম হাপ্পিখ্রবনিনা হোউজিক্তি লোইশিন্নবা তৌজরে। পূম্নমক্কী—ভগবৎ স্বরূপ পূম্নমক্ক অহুগা শক্তি অহুমগী অমসুং শক্তি অহুমগী বৈভব পূম্নমক্কী।

ভগবৎ স্বরূপ পূম্নমক, শক্তি পূম্নমক অমসুং শক্তি পূম্নমক্কী বৈভবকা মক্ক থোক্লকুফম শ্রীকৃষ্ণনি, শ্রীকৃষ্ণগী শাক্রমগী মখোঙ্মসু মখোঙ্গীনা শ্রীকৃষ্ণদা লৈ। মরম অসিনা নারায়ণগী মক্কসু শ্রীকৃষ্ণনি; (নারায়ণসু ভগবৎ স্বরূপ অমনি) নারায়ণচিংবা ভগবৎ-স্বরূপ পূম্নমক্কী চংফম শ্রীকৃষ্ণনি।

যদ্যপি ব্রহ্মাণ্ডগণের পুরুষ আশ্রয়।
সেই পুরুষাদি সভার কৃষ্ণ মূলাশ্রয়॥৮৮

অর্থ :—

অহুনা ব্রহ্মাণ্ডশিংগী চংকম ওই নীপাদা।
নীপাশিংচুগীসু চংকম মরু ওই কৃষ্ণদা॥৮৮

গৌর-কৃপা টীকা

৮৮। হংবিবা য়াই "পাদ্মে মুংশাশোর হোম্লোকপদা পুরুষন, ব্রহ্মাণ্ড পুথোকই মুংশা শোরগা লোঙ্গনবা॥ অমক হন্না মুংশাশোর চিংশিনখিবা মতমদা। শোরগা লোঙ্গনবা ব্রহ্মাণ্ড চংখি হকচাং মুংদ॥ ইমুংগী অহোবদা ইফুলনা চংপগুম্মা। পুরুষগী ভংখোং অহোবদা চংলি ব্রহ্মাণ্ডনা॥ ১।৫।৬০—৬১॥" "জীব পুম্নমক্কী চংকম মহাসঙ্কর্ষণনি॥ ঐশ্বর্য্যগী ওমথৈ লত্তে পুম্নমক্কী চফম্নি। মায়া চংদব অশেংব সত্ত সঙ্কর্ষণনি। ১।৭৮,৪।৭১॥"

অসিনচিবা প্রমাণগা উবা ফংঙি, ব্রহ্ম গু অমসুং ব্রহ্ম গুদা লৈরিবা জীবগী আশ্রয়দি পুরুষতা ওই — কিবম অসিদা মথক্কী পয়ারদা হায়খ্রে, 'পুম্নমক্কী চংজফমদি' শ্রীকৃষ্ণনি, মাসি করম্না ওইবা য়াবগে? পাওখুমদি পুরুষতা ব্রহ্মাণ্ডনা চংজে হাইবসি অচুম্বনি, অদুগুম্বসুং পুরুষশিং অদুগী চজফমসু শ্রীকৃষ্ণনি; মরম অসিনা ব্রহ্মাণ্ডশিংগী আশ্রয়গী আশ্রয়দি শ্রীকৃষ্ণনি হাইদুনা শ্রীকৃষ্ণনা পুম্নমক্কী চংজফমগী মরুনি। প্রমাণগি, করিগুম্বা য়ুম অমগী মথু দা শঙ্গোম হাপ্লা চফু অমা লৈ হাইনা লৌসি। অদু ওইরবদি শঙ্গোম অদুগী লৈফম-চংজম অদু চফুনি, অদুগা চফু অদুগী চংকম-লৈফম অদুনা য়ুম অদুনি, মরম অসিনা শঙ্গোম অদুগী লৈফম মরুদি য়ুম অদুনি, ব্রহ্মাণ্ডশিংগী আশ্রয়দি পুরুষতা ওই, পুরুষ অদুগী আশ্রয়নি চংজফম্ন হাইদুনা শ্রীকৃষ্ণনা চজফম ওব ওই।

নীপা—পুরুষ। ১। কারণার্ণবশায়ী নীপা, ২। গর্ভোদশায়ী নীপ, ৩ ক্ষীরোদ-শায়ী নীপা। মখোঙ্গী অসিনা বিশ্বগী সৃষ্টি অমসুং পালন (ভানপ) তৌই হাইদুনা বিশ্বগী (জগৎকী) চংজফম্নি (আশ্রয়নি)। নীপাশিংচুগীসু—পুরুষশিংগী অমসু, পুরুষশিংগী অমসুং পুরুষতগী থোরকপা ব্রহ্ম গু অমসু ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা জীবশিংগীসু। চফম মরু—পুম্নমক্কী মরুওইবা চংজফম।

'স্বয়ং ভগবান কৃষ্ণ' কৃষ্ণ সর্ব্বাশ্রয়।
'পরম ঈশ্বর কৃষ্ণ'—সর্ব্বশাস্ত্রে কয়॥৮৯

অর্থ:—

'স্বয়ং ভগবান কৃষ্ণ'—পুম্নমক্কী চংকম্নি।
শাস্ত্রশিংদা হাই—'কৃষ্ণনা অথোইবা ঈশ্বরনি॥৮৯

তথাহি ব্রহ্ম সংহিতায়াম (৫।১)—
ঈশ্বর পরমং কৃষ্ণঃ সচ্চিদানন্দবিগ্রহঃ।
অনাদিরাদির্গোবিন্দঃ সর্ব্বকারণ কারণম॥১৭

গৌর-কৃপা টীকা

৮৯। হৌজিক মখোদা লাইশনজাবিবদি—শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবানি, পুম্নমক্কী চংকম্নি শ্রীকৃষ্ণনি, শ্রীকৃষ্ণনা অথোইবা ঈশ্বরনি, মাসি শাস্ত্র পুম্নমক্না প্রমাণ তৌরবনি।

স্বয়ং ভগবান—মাহোৎসগী স্বরূপ-অতোপ্পা ভগবৎ-স্বরূপ তোরকপা ওইবা। পুম্নমক্কী চংকম্নি—ভগবৎ-স্বরূপ। পুম্নমক্, শক্তি পুম্নমক্কী শক্তি বৈভব পুম্নমক্ হাঙবদি প্রাকৃত (অচম্বা) ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্, প্রাকৃত জীব পুম্নমক্কী অপ্রাকৃত (মায়া-পরকৃবা) ভগবদ্ধামগী অমসুং ধাম অমুদা লৈরবা লোইনবশিংগী অদুগা লৌলাই মচাক ওইরিবা পোৎ পুম্নমক্কী খোরকফমগী অমসুং লৈফমগী হিংনবগী মরম ওইবা। অথোইবা ঈশ্বরনি—অতোপ্প অতাপ্প অমা সরুক পুম্নমক্কী ঈশ্বরনি, মাহাক্তদা হন্না চাওবা ঈশ্বর অমা লৈত্রে। ঈশ্বর—কর্তুমকর্তুমন্যথা কর্তুং সমর্থ। মহাক্না তৌবা যাবা হন্না, তৌরোইদ্রবা, মখোয়গী শকতক অদু নওবা অতোপ্পা মখক ওইবসু তম্ব, অদুবু ঈশ্বর কৌই। গ্রন্থকারনা পয়ার অসিদা হাঙদিবসি আরোম্ব, সিদ্ধান্তনি পয়ারগী অসিগী প্রমাণ পীরবা মখাদা ব্রহ্মসংহিতাগী শ্লোক অমত্তা হাপচরি।

শ্লো।১৭ অন্বয়। কৃষ্ণঃ (কৃষ্ণ) পরমঃ (অথোইবা) ঈশ্বরঃ (ঈশ্বর), সচ্চিদানন্দ বিগ্রহঃ (অরেপ্পা জ্ঞান-নুঙাইবা অহুম্না ওইনা হকচাং) অনাদিঃ (মাবু হৌনবা লৈতবা) আদিঃ (পুম্নমক্কী অহৌনব) গোবিন্দঃ (গোবিন্দ) সর্ব্বকারণ কারণং (কারণ পুম্নমক্কী কারণ ওইবা—মপাগী মপা ওইবা)।

অনুবাদ—শ্রীকৃষ্ণদি অথোইবা ঈশ্বরনি, সচ্চিদানন্দবিগ্রহনি, গোবিন্দবু হৌনবা অমা লৈত্রে মানা মহাক্তা অমসুং মরম পুম্নমক্কী মরম ওই (মপা পুম্নমক্কী মপানি)।

গৌর-কৃপা টীকা

কৃষ্ণ—লেংলি পাল্লিবা অচৎ-চৎলা পোৎ পুম্নমক্পু, ভগবৎ স্বরূপ পুম্নমকপু, শক্তি পুম্নমকপু অমসুং মশাবু কাওবা চিঙ্লিনবা ঙম্বা অদুম ওইবা লুপ্তাইবগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণ। পরম ঈশ্বর—ঈশ্বরশিংগীসু ঈশ্বর ওইব, ভগবৎকী স্বরূপ পুম্নমক ঈশ্বরগী শক্তি অদু লৈবা ঙাক্তনি, মরম অদুনা ভগবৎকী স্বরূপ পুম্নমক ঈশ্বরনি, শ্রীকৃষ্ণদি মখোই পুম্নমক অদুগী মবুংওনি, ঈশ্বরনি, মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা অথোইবা ঈশ্বরনি। কর্তুমকর্তুমন্যথাকর্তুং সমর্থ: তৌনীংবতা তৌবঙম্বা অদুবু ঈশ্বর কৌই। ভগবৎস্বরূপ পুম্নমক্না ঈশ্বর ওইরবসু মখোইগী শক্তি অদুদি শ্রীকৃষ্ণগী মকমদগী ফংবনি, মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা ঈশ্বর পুম্নমক্কী মরূনি, অদুনা অথোইবা ঈশ্বর হাইরিবনি অদুগা পরা (অপেক্ষীবী) সং (শক্তি) [illegible] 'পরম' ওইরে; শক্তি পুম্নমকপু শিঙ্গিন্নরিবী শ্রীরাধানা নিত্তিগী ঈবু ঙো মহাকা লেঙইনদুনা লৈ হাইদুনা শ্রীকৃষ্ণবু 'পরম' হাইরিবনি, অমদি শক্তি পুম্নমক্কী লৈফম্মি হাইদুনা শ্রীকৃষ্ণবু 'পরম হাইরিবনি। ভগবৎ স্বরূপ ঈশ্বর পুম্নমক্কী শক্তি লৈ, তৌবঙম্বদা অথোইবা শাক্তিদি শ্রীকৃষ্ণদ লৈ, মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা পরম ঈশ্বরনি।

সচ্চিদানন্দ-বিগ্রহ—সৎ, চিৎ অমসুং আনন্দময় বিগ্রহ (হকচাং) বু (অরেম্প অচুম্বা, অখণ্ডবা অমসুং লুপ্তাইদ্রবা, অরোম্ব ওইবা হকচাংবু) সচ্চিদানন্দ বিগ্রহ কৌই; স্বয়ং ভগবান ওইবা মীওইবগী হকচানি, পাম্বোম অমা পাল্লী, মহাকী হকচাং লৈ, তৌইগুম্বরং হকচাং লৈরবসু মহাকী হকচাং অদু, প্রাকৃত (অচম্বা মায়া) জীবগী হকচাংগী মতৌগুম্বা পাঞ্চভৌতিক নত্তে (মায়াগী পঞ্চ ভূতন শাবা হকচাং নত্তে) অদুম ঈ (রক্ত) মসানা শাবা নত্তে, মু ওইবা মপানা শাবা হকচাংনি, মু ঙাইবা অদুসু মায়াগী মুংঙাইবা নত্তে, চিন্ময় (অপ্রাকৃত)গী মু ঙাইবনি; 'চিৎ' হাইবা বাহৈ অসি সংস্কৃত লোন্নি, বাহৈ অসি হিন্দি, বেঙ্গলী, উর্দু, আসামী পুম্নমক্তা অদুম হাইনৈ, অদুনা মণিপুরী ঐখোইসু মহৌশাদগী 'চিৎ' হাইনা অদুম হাইনরক্ল থুদমদি, লম্মুম্বা সীতাদা চিৎ লোক্লা হাইজরম্মী অমসুং চিৎ লোক্লা কপ্পম্মী অসিনচি বা; চিৎকী লৈবাক রাখল, জ্ঞানগী লৈবাক, চিৎ কা হকচাং (চিন্ময়দেহ) বাখল, ভাবকী হকচাং অস্পষ্ট হাইনা পণ্ডিতশিংনা অর্থ তৌনৈ; মাসি অপৎবা মী (অজ্ঞান) গী বাহৈ নত্তে। সৎ—শব্দনা অরেম্পা থওনৈ; মহাকী হকচাং অদু অবেম্পনি হাই দি মাগী হকচাং অদু অমাঙবগী শকক য়াংলত্রে অমাঙবা লৈতে, নিত্তিগী অরেম্পা অচুম্বা পোংশক ওইদুনা লৈরবা; "নিত্যোনিত্যানাং" গো: ত: ৬'২১॥ শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংদি নিত্তানি অরেম্পনি অমসুং চিদানন্দময়নি। মহাকী হকচাং চিদানন্দময়নি হাইদুনা জীবগী মতৌ ংম্ম। দেহ-দেহী থাইবা লৈতে। (হকচাং-হকচাংগী মপু থাইবা লৈতে)। জীবগী হকচাংনা

গৌর-কৃপা টীকা

প্রাকৃত জড়বস্তুনি (মায়ানি), তৌইগুম্বসুং দেহী জীবদি (হকচাং মপুদি) চিংকন বস্তুনি (মায়া চংদবা অকুপ্পা পোৎনি) ; মরম অদুনা জীবগী হকচাংগা (দেহগা) হকচাং মপুগা (দেহীগা) অনি অসি জাতি খেন্নে অতোপ-অতোপ্পা জাৎ অমমনি, অদুনা দেহ অমসুং দেহী মায়দে ; তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংদি মতৌ অদুগুম্বা হকচাং নত্তে, শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংদি চিদানন্দময়নি, শ্রীকৃষ্ণসু চিদানন্দময়নি, মহাক্কা বিগ্রহনি (হকচাংনি) অমসুং হকচাংনা মহাক ওই। মাগী হকচাংনা মাওোন্দগী তোঙানবা লৈত্তে। মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণদা দেহ (হকচাং)-দেহী (হকচাংগী মপু) খাঙবা লৈতে।

হকচাংগী মপু মায়া চংদবা অকুপ্পা পোৎ অসিনা (চিংকন বস্তু দেহীনা) শক্তি পীরগা জীবগী ইন্দ্রি পুম্নমক্কা মপাঙ্গল কল্লী, দেহ অমসুং দেহী অতোপ-অতোপ্পা তোঙানবা জাতিনি হাঙ্গহুনা ইন্দ্রিনচিংবগী মচাকসু মায়দে হাঙ্গহুনা দেহীগী শক্তিনা অতোপ-অতোপ্পা ইন্দ্রিশিংদা তোপ্পা-তোপ্পা শাৎকাইকই ; মরম অসিনা জীবগী মশাদা লৈরিবা ইন্দ্রি অমনা মশাদা লৈরিবা অতোপ্পা ইন্দ্রি অমগী থবক তৌবা ঙমদে—মিৎ অসিনা রা তাঙবা তাবা ঙম্নবগী থবক তৌবা ঙমদে। তৌইগুম্বসুং চিদানন্দ-ঘন-বিগ্রহ ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদদি দেহ-দেহী-খাঙদে হাঙ্গহুনা মহাক্কী মশাগী মখম খুদিংমক্তা মুংতাইবগী মপাং ওইবা পোৎনা চাং অমা ওইনা তান্দুনা লৈবা মরম্না মহাক্কী ইন্দ্রি পুম্নমক্কী শক্তি খেন্নদে—মহাক্কী করিগুম্বা ইন্দ্রি অমনা কারিগুম্বা ইন্দি অমগী থমক তৌবা ঙম্মী ; “অঙ্গানি যস্ত সকলেন্দ্রিয়বৃত্তিমন্তীতি।—ব্রহ্মসংহিতা ৫।৩২॥” আনন্দবস্তু বিভূ—“ভূমৈব সুখম”। মরম অসিনা মুংতাইবগী মপাং ওইব। শ্রীকৃষ্ণগী মশাসু বিভূনি (লাইনী)—শিন্থুংনা লৈবা পোৎশক্তি, ঙমখৈ নাইবা পোৎশক অমা ওইনা নীংলবসু (থাজরবস্তু) শ্রীকৃষ্ণগী মশাদি বিভূনি—মফম খুদিংদা শিন্থুংনা লৈরিবনি, ঐখোঙগী বাখল্না লাপ্পা কংত্রবা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনা (শ্রীকৃষ্ণের অচিন্ত্যশক্তির প্রভাবে) ঙম্মিবনি। ঐখোয়গী বাখল্না লাপ্পা কংত্রবা মহাক্কী শক্তিনা য়াম্না কুপ্পবা পোৎ অমদগী হেন্না কুপ্পা ঙম্মী, য়াম্না চাউরবা পোৎ অমদগী হেন্না চাউবা ঙম্মী ; মহাক্কা য়াম্ন কুপ্পা লৈরিবৈগী মতমদসু মাদি বিভু (বিষ্ণু-লাই) ওইবা কাইদে, বিভু (লাই) ওইবা হাঙ্গবসি মাগী মহৌশাগী ধর্মনি; মরম অদুনা মহাক মুং তাইবগী মশক্তি, ব্রহ্মনি। অনাদি-{মাওোন্দগী হানবা লৈতবা মহাক্কী অহৌবা লৈতবা}। শ্রীকৃষ্ণদগী হানবা লৈতে ; মহাক স্বয়ংসিদ্ধনি অমসুং অনাদিকালদগী নিত্তিগী তান্দুনা লৈরি-বনি। মহাক্তি অনাদি-নি (জগৎ শেমগ্রিভৈদগী, লৈশেমগ্রিভৈদগী হৌনা লৈরবনি) হাঙ্গহুনা কনাগীসু অংশ নত্তে অমসুং কনাগীসু অবতার নত্তে। আদি—শ্রীকৃষ্ণনা পুম্নমক্কী আদিনি

এ সব সিদ্ধান্ত তুমি জান ভাল মতে
তবু পূর্ব্বপক্ষ কর আমা চালাই তে।৯০

অর্থ

সিদ্ধান্ত পুম্নমক নংবা খণ্ডলে নিংথিজনা।
ঐবু তক তৌহুনা পরিক্ষা য়েংবনি নংনা ॥৯০

গৌর-কৃপা-টীকা

(অহানবনি ; ভগবৎ স্বরূপ ভগবদ্ধাম লৈরিবা পুম্নমক অসি শ্রীকৃষ্ণদগী থোকখিবা ডাকনি ; অনন্ত কোটি প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ডসু শ্রীকৃষ্ণদগী থোকখিবনি ; মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা পুম্নমকপী অহানবনি—নারায়ণচিংবদগীসু হানবনি। পুম্নমকী অহানবনি হাঙৈহুনা মহাক অসি সর্ব্ব কারণ—কারণ ওই (মপা পুম্নমকী মপানি)—থাদৈশেংনা পুরুষনচিংবদগী ব্রহ্মাণ্ড পোকই ; মরম অহুনা পুরুষনচিংবা অসি—জগৎকী কারণ (মপা) ওই ; শ্রীকৃষ্ণনা পুরুষশিং অসিগী কারণ ওই ; মরম অহুনা মাবু সর্ব্বকারণ—কারণ (মপা পুম্নমকী মপা) হাঙৈরিবনি। গোবিন্দ—গো গী অর্থদ যণ অমদি পৃথিবী হাঙৈবনি ; অহুগা বিন্দ—ধাতুগী অর্থনা ভাকপা হাঙৈবনি। গো-বু ভাকই হাঙৈহুনা গোবিন্দ হাঙৈবনি। ব্রজলীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা যণ শেন্নী হাঙৈহুনা মাবু গোবিন্দ কৌই। অহুগা ব্রহ্মাণ্ড শেন্মী হাইহুনা অমসুং ভাকই হাঙৈহুনা (ভাকপগী মপুন হাঙৈহুনা) সু মাবু গোবিন্দ কৌই। গো—গী অর্থদি ইন্দ্রিবুসু হাঙৈ, অহুনা শ্রীকৃষ্ণদা ইন্দ্রিগী লৈফম্নি হাঙৈহুনা মাবু গোবিন্দ—হৃষীকেশ কৌই। অমদি মহাকী অন্তরঙ্গ মন্নুংচনবা লোঙৈনবশিংগী ইন্দ্রি পুম্নকপু মানা মনা পামজবা মরমদা নীংবা থুংহন্দুনা মুংডাইনা ভাকপী মমসুং য়োকপী হাঙৈহনসু মাবু গোবিন্দ কৌই।

৯০। বৈষ্ণবকা তিন্নবদগী কনাগুম্বা মী অরতা অরাবা ফংদে ; বৈষ্ণবনা কনাবুসু পুক্নিং মুংডাইতনবা তৌদে। কবিরাজ গোস্বামীগী সিদ্ধান্ত। মহাক তক তৌনরিবা মী অহু মাঙৈথীবা ফংলবনি ; মখুদা মহাকী পুক্নিংদা মুংডাইথিরোই হাঙৈহুনা কবিরাজ গোস্বামীনা তর্ক তৌনরিবা মী অহুদা হাঙৈরম্মী, "ঐনা সিদ্ধান্ত পীজরিবা পুম্নমক অসি নংদি নিংথিজনা খণ্ডবিরমগনি ; ঐবু পরিক্ষা য়েংগে হাঙৈবগীদমক নংনা তক পুথোরক্লিবনি।" বাহৈ অসিদা তক তৌরিবা মী অহুগী মপু ক্লুদা নীংলমগনি "কবিরাজগী মপুক্নিংদা ঐ অসিবু অপণবা নত্তে হাঙৈনা থাজরি, মরম অহুনা মাইথীবে হাঙৈহনসু ঐনা কবিসু ইকাঙৈনীংডাই লৈত্তে।"

সেই কৃষ্ণ অবতারী ব্রজেন্দ্রকুমার
আপনে চৈতন্যরূপে কৈল অবতার ॥৯১

অর্থ :—

ব্রজেন্দ্রগী মচা কৃষ্ণহু অবতারীনি।
মহাক্কা চৈতন্য ওইনা অবতার তৌরনি ॥৯১

গৌর-কৃপা টীকা

সিদ্ধান্ত পূর্বক—শাস্ত্রগী পূর্বকী ঈশ্বরনি, মরম অসিনা নারায়ণচি বরী ঈশ্বরনি অমসুং নারায়ণতি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস (মাহওরি) অসিনচিংবা সিদ্ধান্ত। পরিক্ষ – চাংয়েংবা।

৯১। পয়ার অসিদা হাঙ্গিরবদি—শ্রীকৃষ্ণদগী অথোইবা তত্ত্ব অমা কৈত্রে,

স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীচৈতন্য ওইদুনা অবতীর্ণ ওইরে, মরম অসিনা শ্রীচৈতন্যদগী অথোইবা তত্ত্ব অমা লৈত্রে পূর্বতত্ত্ব—পূর্বমকী চক্কন্নি, মহাক কারণ পূর্বমকী কারণি, অবতার পূর্বমকী মরুনি। অবতারী—অবতার পোকোকফম। ব্রজেন্দ্রগী মচা (কুমার)—ব্রজরাজগী মচা স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী পাংগী মমিং অ কোই, রসিকশেখর শ্রীকৃষ্ণবু বাৎসল্য-রস চুপকনগে হাঙ্গবগীদমক শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-শক্তিনা, অনাদি—কালদগী শ্রীকৃষ্ণগী মপা নন্দমহারাজ ওনা অমসুং মমা শ্রীমতি যশোমতী ওইনা ফাওদুনা লৈ, নন্দমহারাজবু ব্রজরাজ, ব্রজেন্দ্র হায়না খঙনি, মরম অদুদগী শ্রীকৃষ্ণবু ব্রজেন্দ্রগী মচা হায়নি, শ্রীকৃষ্ণ অসি মনিং-নথা ওইব ভগবান ওইরবসু বাৎসল্য প্রেমগী মথা পোনবা মাদুনা নন্দ—যশোদাগী মাথ হৈন গ হায়দনা বশকথি, মাদুদ মহাক্কী ঐশ্বর্যাসু মাধুর্যাগী মথা পোনবা মাখ, ধারক নথ-স্বরূপ অমদি মথুরানাথ-স্বরূপগী ব্রজেন্দ্রগী মচাগী স্বরূপ মধুর্য্য লৈবা হেন্নী, ব্রজেন্দ্র-নন্দন-স্বরূপ মানব্যনা মপুংফান সাংকাই অমসুং মাধুর্য্যগী মফমদা ঐশ্বর্যনা মপু ফানা তু হন্দুনা মথা পোল্লী। মাধুর্য্যতনা ভগবৎকী মচিনি; ব্রজেন্দ্র—নন্দন—স্বরূপ ভগবৎকী মচি মাধুর্য্য মপুং ফানা লৈ হাঙ্গইদুনা ব্রজেন্দ্র—নন্দন কৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবান ওই, অনিগুমবা—জ্ঞান তত্ত্ব ওই। "অদ্বয়-জ্ঞান" তত্ত্ব ব্রজে ব্রজেন্দ্র-নন্দন।২।০১০।'

অতএব চৈতন্যগোসাঞি পরতত্ত্ব-সীমা।
তাঁরে ক্ষীরোদশায়ী কহি, কি তাঁর মহিমা ॥৯২
সেইত ভক্তের বাক্য নহে ব্যভিচারী।
সকল সম্ভবে তাঁতে, যাতে অবতারী ॥৯৩

অর্থ :—

অদুনা চৈতন্যনা অখোইবা তত্ত্ব ওমথৈনি।
ক্ষীরোদশায়ী হায়রকপদা গুণ হেনগত্তবনি ॥৯২
চুমদবা নত্তে মাহুত্ন ভক্তগী ৱাহৈনি।
অবতারীগী মতমদা পুম্নমক ফংনবনি ॥৯৩

গৌর-কৃপা টীকা

৯২। অদুনা—স্বয়ং ভগবান ব্রজেন্দ্র-নন্দন কৃষ্ণনা মশানা শ্রীচৈতন্য ওইদুনা অবতীর্ণ ওইরে হায়দুনা। অখোইবা তত্ত্ব ওমথৈনি—শ্রীচৈতন্যনা অখোইবা তত্ত্বগী ওমথৈনি; খ্বাইদগী অখোইবা তত্ত্বনি। ক্ষীরোদশায়ী—ক্ষীরোদশায়ী নারায়ণ। গুণ হেনগত্তবনি—শ্রীচৈতন্যবু ক্ষীরোদশায়ী নারায়ণ হায়রকপদা গুণ হেনগত্তবনি, মরমদি, শ্রীচৈতন্যদি—থাজনেংবা ক্ষীরোদশায়ী নত্তে, মহাক্তি স্বয়ং ব্রজেন্দ্রনন্দন কৃষ্ণনি, মহাক্তি ক্ষীরোদশায়ী-গীসু চংশফম মকনি।

কনা-কনাগুম্বনা ক্ষীরোদশায়ী নারায়ণনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইনা অবতার তৌবনি হায়না লৌগনি, মাদু অচুম্বক নত্তে, শ্রীগৌরাঙ্গগী মশাক্তি স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনি; ক্ষীরোদ-শায়ীদি শ্রীকৃষ্ণগী অংশগী অংশনি; মরম অসিনা শ্রীগৌরাঙ্গবু ক্ষীরোদশায়ী হায়রকপদা শ্রীগৌরাঙ্গগী গুণ হেনগত্তবনি।

৯৩। শ্রীগৌরাঙ্গবু ক্ষীরোদশায়ীনি হায়রিবা মখোইশিং অদুসু ভক্তনি; মরমদি মখোইনা শ্রীগৌরাঙ্গবু ক্ষীরোদশায়ী নারায়ণ ওইনা মপুক্কিদা কাওই থওই (অনুভব তৌই); ভক্ত নত্তনা কনাসু ভগবৎকী স্বরূপ পুক্কিদা ফাওবা ঙম্বা ওমদে। মরম অদুনা মখোইগী মপুক্কিদা শ্রীগৌরাঙ্গগী থাজনেংবা তত্ত্ব অদু থওবা ওমজবসু খরা মচিন্না ওাংলিবা অদু ওমমক পুম্নান লাংনবমক্তি নত্তে; খজিক্তু অচুম্বগী শরুক য়াওরি। শ্রীগৌরাঙ্গ, স্বয়ং ভগবান্না ওইরকপনিনা নহাকসু স্বয়ং অবতারীনি; মহাক্ত অবতার তৌবা মতমদা অতোপ-অতোপ্পা অবতার পুম্নমক লাক্নুনা তিল্লি। "পূর্ণ ভগবান্না অবতার তৌবা মতমদা। অবতার পুম্নমক লাক্নুনা তিল্লি মাঙোন্দা॥ নারায়ণ চতুর্ব্যূহ

অবতারীর দেহে সব-অবতারের স্থিতি।
কেহো কোনমতে কহে, যেমন যার মতি॥৯৪

অর্থ :—

অবতারীগী মশাদা অবতার ময়াম লৈ।
কনাগুম্বনা খঙবা মতুংইন্না মিং থোৱৈ॥৯৪

গৌর-কৃপা টীকা

মৎস্যাবতারনচিংবা। অদৈবা থিবিক যুগমন্বন্তরাবতারনচিব॥ কৃষ্ণগী হকচাংদা তিন্নৈ পূম্নমক লাক্লনা —১।৪।৯—১১॥" মরম অসিনা ক্ষীরোদশায়ীনচিংবা ভগবৎ স্বরূপ পূম্নমক শ্রী.গৌরাঙ্গদা লৈ। শমন মহাপ্রভুন করিগুম্বা মতমদা বরাহ, বিষ্ণু, শিব অসিনচিংবা শাক্তনা লীল। ফোংদোকই, লীলা অদু থাইদা উহল্লী। ভগবৎ স্বরূপ পূম্নমকসিগী মনুংদা কনাগুম্বা ভক্ত অমনা অরূপ (ঈশ্বরগী মশক) অমবু ফাওজবা, খঙজবা তঙদা শ্রীগৌরাঙ্গগী মন্নী-মখোং থরা খঙবা ঙম্মী, মরম অদুনা মানা খঙজবিবা তত্ত্ব অদু শ্রীগৌরাঙ্গগী স্বরূপ-তত্ত্ব নত্রবসু খঙজবিগা অদুগী এরমদদি মীনম্বা হাঙ্গীজিনবা (চুমদবা) নত্রে।

মাদুসু—শ্রীগৌরাঙ্গবু ক্ষীরোদশায়ীনি হাইরিবা মখোইশিং অদুগী র অদুসু। চুমদবা—মীনম্বা। পূম্নমক তিনবনি—শ্রীগৌরাঙ্গদা ভগবৎস্বরূপ পূম্নমক তিনবা য়াবনি। অবতারী—শ্রীমন্ মহাপ্রভু, অবতারী ওয়া ভাবম ওইবা মরম্মা ভগবৎস্বরূপ (ঈশ্বরগী মশক) পূম্নমক মাঙোন্দা লৈ, মরম মসিন হাক্ক করিগুম্বা মতমদা ভগবৎস্বরূপ অমা পুথোকপা ঙম্মী।

৯৪। শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা নীলকণ্ঠদা ঈশ্বরগী মশক অমা পুথোকপা ঙম্মী হাঙ্গীবদুগী মরম উচ্চরি।

অবতারীগী অসিনচিংবা—অবতারীগী মশাদা অতাপ-মতোংপ অবতার পূম্নমক লৈ। (১।৪।৯ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু।) কনাগুম্বনা-নচিংবা—কনা-কনাগুম্বা ভক্তনা থাজবগা লোয়ননা অবতার অমবু নীংজরি, মহাক্না অবতারী অদুবু মানা নীংজবা অবতার অদুনি হায়না মন্নী-মখোং পীবা য়াওই।

কৃষ্ণকে কহয়ে কেহো—নারায়ণ।
কেহো কহে—কৃষ্ণ হয়ে সাক্ষাৎ বামন॥৯৫
কোহো কহে—কৃষ্ণ ক্ষীরোদশায়ী অবতার।
অসম্ভব নহে,—সত্য বচন সভার॥৯৬
কেহো কহে- পরব্যোম—নারায়ণ করি।
সকল সম্ভবে কৃষ্ণে, যাতে অবতারী॥৯৭
সব শ্রোতাগণের করি চরণ বন্দন।
এ সব সিদ্ধান্ত শুন করি একমন॥৯৮

অর্থ :—

মী খরনা কৃষ্ণবু হাঈ—নরনারায়ণনি।
কনাগুম্বনা কৃষ্ণবু হাঈ সাক্ষা বামননি॥৯৫
কনাগুম্বনা হাঈ ক্ষীরোদশায়ী-অবতারনি।
চুমদবা নতে মীয়ামগী বাহৈ অচুম্বনি॥৯৬
কনাগুম্বনা হাঈরি পরব্যোম-নারায়ণনি।
অবতারী কৃষ্ণদা হাঈবা হৈরা য়াবনি॥৯৭
তাবিরিবা পুম্ব কী চরণ খুরুমজরি।
সিদ্ধান্তশিং তাবিনবা পুক্লিং চিংশিনজরি॥৯৮

গৌর-কৃপা টীকা

৯৫—৯৭। মানা মান খণ্ডনবা মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণগী (অমদি শ্রীগৌরাঙ্গগী) মরী-মখোং, কনানা করম তৌনা পীংগ হাঈবহৈ পয়ার অহুম অসিদ উচ্চ রি। নরনারায়ণ-মী অমম্বং নারায়ণ, ধর্মগী ভুপী মূর্তিগী গর্ভদা মখোঈ অনী পোকপনি; মখোঈ বদরিকাশ্রমদা তপস্যা তৌখি। বামন—তরা মন্তাগুবা অবতারগী মমিং বামন কৌই, মহাক লীলা অবতারনি। শ্রীভগবান্না তিংচাবগী মধুক্তগী স্বর্গবু অমুক হন্না লোশিন্নীংহনা বামন ওইনা অবতার অমা লৌথোকখি বলিগী যজ্ঞদা লংশিন্নকনা (চংলক্লনা) খোংকম অহুম্না চনব-লম (লৈবাক) নিংখ পঞ্চদশং বামনক বৃ হাগাঁপবরং বলেঃ। পদত্রয়ং যাচমানঃ প্রত্যা—দিৎসুর্দিবি পিষ্টপং॥ শ্রীভ: ১।৩। ৯॥" অবতারী কৃষ্ণদা—শ্রীবৃন্দাবন চন্দ্রদা; অবতারী কৃষ্ণনা ভক্ত শবু চানবিহনা মানা মানা পামজবা মতুংইন্না নরনারায়ণবু ওইরবস্থ পরব্যোমনারায়ণবু ওইরবস্থ উংল্লী, অহুনা ভক্তশিংনা মাচম্না হাঈবা অহু মপুক্লিংদা কাওরক্তনা হাঈবান, অচুম্বা ভাক্তনি

৯৮। কবিরাজ গোস্বামীনা তাবিরিবা বৈষ্ণবশিংগী চরণদা খুরুমজহনা সিদ্ধান্ত রোমদা পুক্লিং চিংশিনজরি। তাবিরিবা পুম্বকী—শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত তাবিরিবা পুম্বমকী সিদ্ধান্তশিং—শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা থাঙ্গৎশবা অচুম্বা ভগবৎকী মরম লেপ্পা (সিদ্ধান্ত) পুম্বমক।

সিদ্ধান্ত বলিয়া চিত্তে না কর অলস।
ইহা হৈতে কৃষ্ণে লাগে সুদৃঢ় মানস ॥৯৯
চৈতন্য-মহিমা জানি এ সব সিদ্ধান্তে।
চিত্ত দৃঢ় হঞা লাগে মহিমা জ্ঞান হৈতে ॥১০০
চৈতন্য-প্রভুর মহিমা কহিবার তরে।
কৃষ্ণের মহিমা কহি করিয়া বিস্তারে ॥১০১

অর্থ

সিদ্ধান্তনি হাঈহ্নুনা তনবিগনু পুক্কিংদা।
মাসিদগী পুক্কিং চেংলি-শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রদা ॥৯৯
সিদ্ধান্ত অসিনা মগুণ খঙগী চৈতন্যগী।
পুক্কিং চেংশিল্লকপা হেল্লী মগুণ খঙবদগী ॥১০০
মগুণ হাঈনবগীদমক চৈতন্য প্রভুগী।
মগুণবু শন্দোক্লা হাঈজরি কৃষ্ণচন্দ্রগী ॥১০১

গৌর-কৃপা টীকা

৯৯। হংবিবা য়াই সিদ্ধান্ত—বিচার তৌরুরবদি-মখল মখা অয়াম্বা তর্ক থোরক্লনি ; তর্কদি বুদ্ধি মাঙগী ; মরম অহুনা সিদ্ধান্ত তারগা কন্নি কান্নগদগে ? মাসীগী পাওখুম—বুদ্ধি মাঙবা য়াবা তর্ক অহু ওম-তৈনবা-বিচারদগী-থাবকপনি। ওম-তৈনবা য়েক্লবা ওইবা অহু থাদোক্তুনা ভক্তিগী মিচং ওইরগা তুংইন্দুনা', সিদ্ধান্ত কংননবা হোৎনরবদি, শ্রীকৃষ্ণগী মগুণগী মরমদা নিংথিনা জ্ঞান তাব ঙমগনি অমসুং মগুণ অহুবু ভাব তাবা ওয়বদি কৃষ্ণগী মরমদা পুক্কিং চেংপা হেল্লী। মরম অহুনা সিদ্ধান্ত তারগা করিস্থ কাম্নয়োই হাঈনা খনকম থোক্তে। থাজশেংবমক্তি লাই-নীংবগীমরম তত্ত্ব জ্ঞান মচেং অমতা কাওবা খঙব্রবদি ইবুংঙো মাবু নীংজবদা চেংশিনবা ঙমদে বাহুনা তোকই ; মরম অহুনা কনাগুম্বা য়েক্লবা মপ ঙল কনবা অমন', হায়া থাজরম্বা অহুবু থুগাইবা ঙম্মী। সিদ্ধান্ত অমসুং তত্ত্ব জ্ঞান খঙলবদি লীলা রস চুম্নদা থুংদোং চাবা হেল্লী। শ্রীভগবানগী স্বরূপ শক্তি যোগ মায়াদা চংজরগা লীলা পাঙথোকই। ঐখোয়গী সিদ্ধান্ত অমসুং তত্ত্ব জ্ঞান খিবদা পুক্কিং চংগদবনি ; পুক্কিংচংলগা মায়াগী বুদ্ধি পাইশিল্লকপা ঙমদে। মাসিদগী—সিদ্ধান্তদগী।

১০১। শ্রীচৈতন্যগী মগুণ কোংদোকপদা ভাব তাননবগীদমক শ্রীকৃষ্ণগী মগুণ শন্দোক্লা হাঈজরি।

চৈতন্য গোসাঞির এই তত্ত্ব নিরূপণ—।
স্বয়ং ভগবান কৃষ্ণ ব্রজেন্দ্রনন্দন॥১০২
শ্রীরূপ-রঘুনাথ-পদে যার আশ।
চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস॥১০৩
ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে আদি—
লীলায়াং বস্তুনির্দ্দেশ-মঙ্গলাচরণে শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য-
তত্ত্ব-নিরূপণং নাম দ্বিতীয় পরিচ্ছেদঃ॥২

অর্থ :—

চৈতন্য গোসাঞিগী তত্ত্ব লেপকনদি অসিনি।
স্বয়ং ভগবান কৃষ্ণ নন্দগী মচামক্র॥১০২
শ্রীরূপ-রঘুনাথ চরণ আশা তৌজবনা।
চৈতন্যচরিতামৃত লেংখৈ কৃষ্ণদাসনা॥১০৩
শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত আদি-লীলাদা
পেংখক লেপ্পা মঙ্গলাচরণগী মরমদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য তত্ত্ব লেপ্পা
অনিশুবা মতাং লোইজরে॥২

গৌর-কৃপা টীকা

১০২। শ্রীচৈতন্যগী মগুণ ফোংদোকপা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী মগুণশু য়াওনা ফোংদোকপগী করি দরকার লৈবগে, মাদুগী মরম হায়জরি। স্বয়ং ভগবান ব্রজেন্দ্র নন্দননা শ্রীচৈতন্য ওইনা অবতীর্ণ ওইরে, মাসিনা শ্রীচৈতন্যগী তত্ত্বনি; মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মগুণ খঙদ্রবাদি শ্রীচৈতন্যগী মগুণ খঙবা ঙমদে। মরম অদুনা শ্রীচৈতন্যগী মগুণ ফোংদোকে হায়বগীদমক শ্রীকৃষ্ণগী মগুণ ফোংদোক্লিবনি। (৫ পয়ারগী ৪ শুবা মতাংদা শ্রীকৃষ্ণগী মগুণ শন্দোক্না হায়জরি)।

—

অহুমশুবা মতাং

শ্রীচৈতন্য প্রভুং বন্দে যৎপাদাশ্রয়বীর্য্যতঃ
সংগৃহ্নাত্যাকরব্রাতদ সিদ্ধান্তসম্মনীন্ ॥ ১ ॥

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লোক। ১। অন্বয়। যৎপাদাশ্রয়বীর্য্যতঃ (মাগীচরণদা চংজবগী মপান্না) অজ্ঞ (অপঙবা মী) [অপি] (অমসুং) আকরব্রাতাৎ (খনিগী মশক ওইবা শাস্ত্র পুন্নমক্তগী) সিদ্ধান্তসম্মনীন (কজরবা মণিগী মশক ওইবা সিদ্ধান্ত পুন্নমক) স গৃহ্নাতি খোমজিনবা ঙম্মী) [তং] (অহুম ওইবা) শ্রীচৈতন্যপ্রভুং (শ্রীচৈতন্য প্রভুবু) বন্দে (ঐনা খুরুমজবি)।

অনুবাদ। ইবুংঙো মাগী শ্রীচরণদা চংজবগী মপান্না অপঙবা মীশু খনিশুন্নবা শাস্ত্র পুন্নমক্তগী, কজরবা মণিশুন্নবা সিদ্ধান্ত পুন্নমক খোমজিনজবা ঙম্মী, ঐনা অহুম ওইবা শ্রীচৈতন্য প্রভুবু খুরুমজরি। ১।

অহুমশুবা মতাং অসিদা "অনর্পিতচরীং" শ্লোকী অর্থ তৌগদৌরা শ্লোক অসি অর্থ তৌবা ভাবরবদি শাস্ত্রজ্ঞান য়াম্না হৈহগী দরকারশিং গ্রন্থকারনা নোমজা হাঙ্গজরি, মহাক্তি শাস্ত্রজ্ঞান, অহুক য়াম্না লৈজদে; অহুম ওইনঃক্ শ্রীচৈতন্য ইবুংঙোগী চরণদা চংজহুনা হাঙ্গিরিবা শ্লোক অসিগী অর্থ তৌরি। শ্রীচৈতন্য ইবুংঙোগী চরণদা চংজবগী অঙকপা গুণ অমদি অসিনা য়াম্না পঙলবা মীশু মখল-মখ অয়াম্বা শাস্ত্র নৈনহুনা অক অরুবা সিদ্ধান্ত পুন্নমক খোমজিনবা ঙম্মী। শ্রীমন মহাপ্রভুগী চরণদা চংজবগী কান্নবা ফংব। অহু কোংদোক্লীংবগীদমক গ্রন্থকারনা শ্লোক অসি হাঙ্গিরিবনি। আকর—খনি (মমন য়াম্বা পোৎ থোকফম, খনি কৌই)। ব্রাত—পুন্নমক। আকরব্রাত—খনি পূন্নমক্তশা (শাস্ত্র পুন্নমক)। শ্লোক অসিদা শাস্ত্রবু খনিগা মান্নৈ হাঙ্গনা অমসুং সিদ্ধান্তবু মণিগা মান্নৈ হাঙ্গনা চাংদম্নরি। খনিদা মণি লৈবা অহু থিক্করগা থোনহুনা পুথংলকপনি অহুশুমহুনা শাস্ত্রদা মচিওইবা সিদ্ধান্ত লৈ, শাস্ত্র অহু নৈনরগা সিদ্ধান্ত অহু ফংঙী, তৌইশুবসুং শাস্ত্র অহুত্তা চুম্না নৈনরবদি মচি ওইবা সিদ্ধান্ত অহু হেক ফংদে, সিদ্ধান্ত অহু করিনো হাঙ্গবহু মশক খঙবা ঙমদে—শ্রীমন মহাপ্রভুগী চরণদা চংজরগা শাস্ত্র নৈনগদবনি (আলোচনা তৌগদবনি); অহুওইরবদি ইবুংঙো মাগী কৃপানা ইলাঙ্গ-লাঙ্গনা মচি ওইবা সিদ্ধান্ত অহুগী মশক খঙবা ঙমই —মসি "যৎপাদাশ্রয়বীর্য্যতঃ" শব্দনা উত্তাকপনি হাঙ্গমা নীঙঙী।

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্তবৃন্দ ॥১
তৃতীয় শ্লোকের অর্থ কৈল বিবরণ।
চতুর্থ শ্লোকের অর্থ শুন ভক্তগণ ॥২
পূর্ণ ভগবান কৃষ্ণ ব্রজেন্দ্রকুমার।
গোলোকে ব্রজের সহ নিত্য বিহার ॥৩

অর্থ

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্তবৃন্দ ॥১
অর্থ শাংনা চাঙ্গজখরে অহুমশুবা শ্লোকী।
ভক্তশিং অর্থ তাবিযু মরিশুবা শ্লোকী ॥২
পূর্ণ ভগবাননি নন্দগী মচা কৃষ্ণনা।
নিত্তিগী শান্নে গোলোকা বজগা লোঈননা ॥৩

তথাহি বিদগ্ধমাধবে (১।২)

অনর্পি'ত চবীং চিরাৎ করুণয়াবতীর্ণ. কলৌ
সমর্পয়িতু মুন্না তোজ্জ্বলরসাং স্বভক্তিশ্রিয়ম।
হরিঃ পুরট সুন্দর দ্যুতি কদম্ব সন্দীপিত.
সদা হৃদয়কন্দরে স্ফুরতু ব. শচীনন্দন. ॥২

গৌর-কৃপা টীকা

১। "জয় জয়" অসিনচিংবা ব হৈ অসিনা শ্রীনিত্যানন্দনচিংবা লোইনবসি অমসুং-ভকশিংগা লোঈনদুনা শ্রীশ্রী.গৌরসুন্দরগী চবণ খুরুমজরগা হাঈজগ.দৌবিবগী মরমদা, তাবি-গদৌবিবশিংগী পুক্কিং চিংশিনবা ফোংদোকই (থঙবৈ)।

২। অহুমশুবা শ্লো.কী—অহানবা মতাংদা হাঈখিবা যদদ্বৈতং শ্লোকী হাঈজবে—(অনিশুবা মতাংদা) শিংথাজখরে। মারশুবা শ্লোকী "অনর্পিতচরীং" শ্লোকী।

শ্লোক।২। অময়নচিংবা আদিলীলাগী অহানবা মতাংগী মরিশুবা শ্লোকা য়েংবিয়ু।

৩। "অনর্পিতচরীং" শ্লোকী ব্যাখ্যা তোজরি পয়ার ৩—২০দা। মথকী মতাংদা হাঈথরে. শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীচৈতন্য ওইনা অবতার তৌরে, ঈবুংঙো মহাক্না কবি মরমগীদমক অৎতার তৌরিবনো হাঈবহু-ফোংদোক্লিদে।, করম্বা থামদা লৈরগা করি হাথন-তৌদুনা

গৌর-কৃপা টীকা

অবতার তৌরুরগে হাঙ্গনা রাশক্লিবনো হাঙ্গবত্থু কোংদোকচরি। পয়ার অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা অপ্রকট (কোংদোক্তবা) ওইনা নিত্ত লীলা শান্নরিবগী মফমগী বা হাঙ্গজরি। মফম অদুগী মমিংদি শ্রীগোলোক কৌই, গোলোকতা লৈরিঙৈদা মহাক্না শ্রীচৈতন্য ওইনা অবতার তৌগে হাঙ্গনা রাশকখি।

পূর্ণ ভগবাননি—স্বয়ং ভগবাননি। নন্দগী মচা কৃষ্ণ— ১।২।৯১ পয়ার টীকাদা য়েংবিয়ু।

গোলোক—পরব্যোমদগী শুণ হেন্না চাউবা থম্বাল মনা মপাং অমা পানবগী মওং মানবা ধাম (মফম) অমা লৈ, মাদুগী মমিং গোকুল কৌই। থম্বাল অদুগী ময়াই থমচেৎ অদুগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণগী অচৌবা কোন্নুং অমা লৈ, কোন্নুং অদুদা নন্দ যশোদানচিংবগা অমসুং শ্রীরাধিকানচিংবী ইবেম্মাগা শ্রীকৃষ্ণগা লোঙ্গননা লৈ। শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমদা লুপ্তুনা লৈরবা গোপশিংনা (যঞ্জেন্নহাশিংনা) থম্বাল অদুগী মনাদা (লৈকাদা) লৈ, অদুগা গোপশাগেগী নিংথিজবীশিং অদুনা লৈরিবা উপবন (লৈকোন) মফমসু থম্বাল অদুগী লৈকাদনি। হাঙ্গিরিবা থম্বালগী মওং মানবা গোকুলগী মপান্দা, গোকুলগী কুয়োম ওইনা চুথেক-মরি নাইবা (কোণ মরি নাইবা) মফম বাম অমা লৈ, মাদুগী মমিং শ্বেতদ্বীপ কৌই। "সহস্রপত্রং কমলং গোকুলাখ্যং মহৎপদম তৎকর্ণিকারং তদ্ধাম তদনন্তাংশসম্ভবম তৎকিঞ্জল্কস্তদংশানাং তৎপত্রাণি শ্রিয়ামপি। চতুরস্রং তৎপরিতঃ শ্বেতদ্বীপাখ্যমদ্ভুতম॥ ব্রহ্মসংহিতা ৪ -৫। ২, ৪, ৫॥"

হাঙ্গিরিবা থম্বাল অসিগী মওং অসি চকুশানা শাৎপগী মওংনি, লৈ মনাগী মত্তোন অদু মথকলোমদা খর খর হাইগৎনা শাৎপনি, মনা ময়াম অদুগী মরূ তিন্নকম পূম্নমক অদুদা লম্বি লৈ অমসুং অহানবা তিন্নকম পূম্নমক্তা থণ-শেনকম লৈ, মপুংফাবা থম্বাল মানবলম অসিগী মমিং গোকুল কৌই। 'অত্র পত্রাণামুচ্ছ্রিত প্রান্তানাং মূলসন্ধিষু বর্ত্মানি, অগ্রিমসন্ধিষু গোষ্ঠানি জ্ঞেয়ানি মখণ্ড-কমলস্থ গোকুলাখ্যত্বাৎ তথৈব সমাবেশাচ্চ। শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভঃ। ১০৬।" চিথেক মরিনা (কোনা মরিনা) কোঙ্গশিল্লিবা মফম অদুবু শ্বেতদ্বীপ কৌবা নত্তে, মপান্দংবা শরুকপু শ্বেতদ্বীপ কৌবনি, অদুগা গোলোকসু কৌই, মসুং অদুনা হাঙ্গবদি চিথেক মরিনা কোইশিল্লিবা শরুক অদুনা বৃন্দাবন কৌই। "তৌইগুম্বসুং চতুরস্রাভ্যন্তরমণ্ডলং বৃন্দাবনাখ্যং বহির্মণ্ডলং কেবলং শ্বেতদ্বীপখ্যং জ্ঞেয়ং গোলোক ইব তৎপর্য্যায়ঃ। শ্রীকৃষ্ণসন্দর্ভঃ। ১০৬।" বাহৈ অসিদগী থঙনরিবদি চিথেক মরিগী মপান্থংবা শরুকপু শ্বেতদ্বীপ অমদি গোলোক কৌই, অদুগা মসুংদা লৈরি শবক হাঙ্গবদি থম্বালগী

গৌর-কৃপা টীকা

মওং মানবা শরুক গোকুলগা তাইনরিবা লম মচেং শরুক অদুবু বৃন্দাবন কৌই; থম্বানগী লৈকাদা গোপগী নিংথিজবীশিংগী শাম্নকম লৈকোল লৈরিবা পুম্নমক অদুবু কেলি-বৃন্দাবন কৌই। "যস্য চ সমীপ গানাং আলয়রূপস্য কমলস্য সর্ব্বতশ্চতুরস্রং ভবতি, তদিদং সর্ব্বং বৃন্দাবনমিতি বদন্তি ——পত্রস্থিতানি তু বনানি কেলিবৃন্দাবনা নীতি ভনন্তি। শ্রীগোপাল চম্পু পূ, ১।৫৬॥" মাসিনা থওনরিবদি থম্বাল মানবা লম অদুগী ময়াই অদুনা গোকুল, গোকুলগী মতাই থংবা ওমথৈ অদুদা লৈরিবা উপবনশিংগী মমিংনা কেলি বৃন্দাবন কৌই; গোকুলগী মপানথংবা শরক্তা লৈরিবা লম হাঙ্গৈবদি নাকল মরিদা লৈরিবা লম অদুগী মমিং বৃন্দাবন কৌই অমসুং বৃন্দাবনগী মপান থংবা শরক্তা মাইকৈ মরিদা লৈরিবা লম অদুবু শ্বেতদ্বীপ অমদি গোলোক কৌই, গোকুলবু ব্রজ—সু হাঙ্গৈ। "মহামণিকমলং গোকুল নাম তয়া নিজধামং নিরূপয়তি। গোগোপাবাসবজরূপব্রজ এবাহমস্মী—গো, চ, পূ, ১।৪৬॥ তাস্য কেবলাস্য নজরাজ—সুতবধুভাবস্য লব্ধপ্রসিদ্ধিতাং বিনা ব্রজকমলসকল পত্রাবল্যাধিপত্যং ন প্রসিধ্যতীতি। গো, চ, পূ, ১।৫৩॥" "শ্রীগোকুল ব্রজলোক্ ধাম্না থাইগী মকোক্লি। ১।৫।১৪॥"

গোলোকী মগুণগী গোকুলগী মগুণা চাউবা হেন্না হাঙ্গৈদুনা গোলোকপু গোকুলগী বৈভব-নিসু হাঙ্গৈ। 'যং তু গোলোক নাম স্যাৎ তচ্চ গোকুল—বৈভবম্॥ ল, ভা, কৃ, পূ, ৪৯৮॥"

বৃন্দাবন, শ্বেতদ্বীপ অমসুং গোকুল মখম অতম অসিগী ওমথৈ সীমা তোপ্পা-তোপ্পা থাঙ্গদোক্লবসু কনা-কনাগুম্বনা মিং অহুম অসিনা শ্রীগোকুল ধামতবু খঙনৈ।

"শ্রীগোকুল ব্রজলোক ধাম্না থাইগী মকোক্লি। শ্রীগোলোক শ্বেতদ্বীপ বৃন্দাবন হাঙ্গনসু কৌবনি।১৫ ১৪।" থম্নরিবা পয়ার অসিদসু গোলোক-শব্দা শ্রীগোকুলবু খওনহল্লি হায়বদি মখম অসিদা গোলোক শব্দনা—গোলোক, বৃন্দাবন, গোকুলদুসু থঃনৈ, মরমদিঃ—অপ্রকট লীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা ধাম অহুম অসিন লীলা তৌদুনা লৈ। গো—গোপাবাস (যথা অমসুং গোপ লৈ) হায়দুনা মফম অহুম অসিবু গোলোক লৌই। শ্রীবৃন্দাবনগী অপ্রকট—লীলাগী মতুংইন্দুনা ফোংদাকপগী মমিংদি গোলোক কৌই। "শ্রীবৃন্দাবন স্যাপ্রকট—লীলানুগত—প্রকাশ এব গোলোক ইতি ব্যাখ্যাতম্। শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভ:। ১৭২॥"

গোলোকতা—গোকুলদা; নত্রগা গোলোকতা, বৃন্দাবনদা অমসুং গোকুলদা। ব্রজদা লৈরিবা মীশিংগা লোইননা নিতিগী শাইরে—নিত্য লীলা কৌই। জগৎ শেমগিংডৈদগী

ব্রহ্মার একদিনে তেঁহো একবার।
অবতীর্ণ হয়্যা করেন প্রকট বিহার ॥৪

অর্থ :—

কৃষ্ণনা অমুক্তং কোংই ব্রহ্মাগী নোংমদা।
লীলা শাগৈ কোংদোক্না মায়াগী ব্রহ্মাণ্ডদা ॥৪

গৌর-কৃপা টীকা

শাগরম্লিবা লীলা অসিনা মতুংদগী চহি মশিং থীবা তমদনা য়ায়া কুইনা অয়োইবা লৈতনা শাগথিগদোরিবা লীলানি হায়রবদি অহোৎস্নু লৈতবা অয়োইবস্নু লৈতবা লীলা অহুবু নিত্য লীলা কৌই। লীলা অমা শাগব তারব দ মী অমতনা শাগবা য়াদে; লোইনবা মী য়ায়া চংদব য়াদে, মরম অহুনা লীলা মতুন নিত্য (নিতিগী শাগবা) ওইরবদা মাহুদা য়াওরিবা মীশিং অহুস্নু নিত্য লোইদনা ওইরে। নিত্যলীলা য়াওরিবা মীশিং অসি শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ শক্তিনা ওইবা তাক্লনি, মথোৎস্নু শ্রীকৃষ্ণগী মতৌগুম্না অনাদিনি (লৈশেমজিদ্রবদগী লৈরম্লবনি)। শ্রীকৃষ্ণনা লৈশেমজিদ্রবদগী গোলোকতা শিবা লৈত্রবা মরূপ-মপাং ময়াম অসিগা লোইননা অনাদিকালগী, নিত্য লীলা শাগহনা লৈরক্লি। ব্রজেন্দ্রনন্দন শ্রীকৃষ্ণগী মনাই, মরূপ, বাৎসল্য (মমা মপানা কৃষ্ণদা থংশিবা ভাব) অমসুং মধুর ভাবগী লোইনবশিং অহুগা অরেপ্পা ওইহনা লৈনা শুদুগী মরমদা শ্রীসদাশিবনা শ্রীনারদগী মফমদা হায়খি—"দাস: সখায়: পিতরৌ প্রেয়স্যশ্চ হরেরিহ। সর্ব্বে নিত্যা মুনিশ্রেষ্ঠ তত্তুল্যা গুণিন:—শ্রীকৃষ্ণগী দাস (মনাই) মখা (মরূপ) মমা মপা অমসু চানবীশিং—মথোয় পুম্নমক অসি নিত্যনি (শিবা লৈতত্র খরেপ্পনি) অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী মতৌগুম্না গুণচেনবনি। পদ্ম, পু, পা, ৫২।৩।।"

৪। ব্রহ্মাগী নোংমদা স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা মায়াগী ব্রহ্মাণ্ডদা অমুক্তং কোংই (অবতীর্ণ ওই); মতম অহুদা কোংদোক্না লীলা শাগৈ। ব্রহ্মাগী নোংমদা—মতুংগী পয়র ৫।৬ তা য়েংবিয়ু। লীলা অসি মথক অনিথোক্না থাঙ্গৈরি। মাহুদি, কোংদোক্না থাগই থক্তনা শাগবা লীলা অমা (প্রকট লীলা), পাপ লৈবা মী থক্তহন্দনা শাগবা লীলা অমা (অপ্রকট লীলা)। শ্রীকৃষ্ণগী মশক অসি মশিং থীবা তমদনা য়ায়া লৈ; কারণ কন্নিগুম্বা মতমদা মশক ময়ামতুগী মসুং অমনা মাগী লোইনব অমসুং কমু-মুং পুম্নমক্তা লোইনহুনা মায়া ব্রহ্মাণ্ড অসিদা কুমথরক্লনা পোকপনচিংবগী লীলা শাগৈ লীলা অহুদা য়াওরিবা লোইনবশিং তক্তশিং অহুনা লীলা অহু মুত হনবগী মতম শ্রীকৃষ্ণগী পুক্লিংনা পাম্বা মতুংইন্না ভব পুম্নমক কোংদে কই। "সদানন্দৈ: প্রকাশৈ: স্বৈর্লীলাভিশ্চ স দীব্যতি। তত্রৈকেন প্রকাশেন কদাচিৎ জগদন্তরে। সহৈব স্বপরিবারৈর্জন্মাদি কুরুতে হরি:॥ কৃষ্ণ ভাবানুসারেণ

সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর, কলি,—চারি যুগ জানি
সেই চারিযুগে 'দিব্য এক যুগ' মানি ॥ ৫
একাত্তর চতুর্যুগে—এক মন্বন্তর।
চৌদ্দ মন্বন্তর ব্রহ্মার দিবস ভিতর ॥৬

অর্থ:—

সত্য; ত্রেতা, দ্বাপর, কলি— যুগমরিনি।
যুগ মরি'শিবু 'দিব্য যগ অম' কৌরিবনি ॥৫
মন্বন্তর শাই— দিব্যযুগ হুম্ফুত্তরামাথোইনা।
ব্রহ্মাগী নুংথিল ওই মন্বন্তর—তরামরিনা ৬

গৌর-কৃপা টীকা

লীলাখ্যা শক্তিরেব সা। তেষাং পরিকরাণাঞ্চ তং ভাবং বিভাবয়েৎ ॥ ল, ভা, কৃ পূ:। ১৫৬-৫৭ ॥" মতৌ অসুম্না মহাক্না লীলা শান্নরিবগী মতম অসিদা মায়াদা তাউহুনা লৈরিবা জীবশিংবু কৃপা তৌবিহুনা, লীলা অদু ফজনা উহনদি। "নিত্যবক্তোহপি ভগবান ঈক্ষ্য ত নিজশক্তিত:। শ্রীনারায়ণধ্যাত্ম-বচন।" মতৌ অসুম্না মায়াগী মী পৃম্নমক্না উব ফংলিবা লীলা অদুগী মমিং প্রকট লীলা (ফোংনা শান্নবা লীলা) কৌই, অদুগা মতংগী মীনা হাঙ্গৈবাদ পাপ লৈবা মীনা উবা ফংদবা লীলা অদুদা অপ্রকট লীলা (ফোংদোক্না শান্নবা লীলা) কৌই। শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদি লৈপোমপিগুম্বগী শান্নরক্নিবা অবোইবস্তু কৈতবা অসিদি পাপ লৈতবা মীদ লৌকিকসু উবা ফংই; পাপ লৈবা মীদি উবা ফংদে। খুদমদি শ্রীরূপ, সনাতনহিংবা ভক্ত মথৌ উবা ফংখি। মাসিগী মরমদা শ্রুতাইবা বৃন্দাবন কৌবা লাইরিক্তা শক্তোক্না ইহুনা লৈখরে "প্রপঞ্চ গোচরত্বেন সা লীলা প্রকট স্মৃতা/অন্যাস্ত প্রকটা ভান্তি তাদৃশ্যস্ত গোচরা: ল. ভা, কৃ, পূ. ১৫৮ ॥"

৫—৬/ ব্রহ্মাগী নোংমা শান্নি করম্না শাবাগ চাঙ্গৈবহু উচ্চরি। সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর অমসুং কলি— যুগ মরি অসিগী শাংলিবা মতম্দু দিব্যযুগ অমা হাঙ্গৈনা কৌই; দিব্যযুগ হুম্ফু-তরামাথোইনা হাঙ্গৈবদি সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর অমসুং কলি যুগ মরি অসিনা হুম্ফুতমাথোইরক হন্না হন্না ওন্নগা মাহুদা চংলিবা মতম অশাংবা অদুবু মন্বন্তর অমা কৌই, (অদু ওইরবদি মন্বন্তর ৩, সত্য যুগ ৭১; ত্রেতা যগ ৭, দ্বাপর যুগ ৭১, অমসুং কলি যগ ৭১ মক লৈরে); যুগ মরি অসিনা হুম্ফুতরামাথোই শুবকপদা মনু অমগী অধিকার লৈরে। মনু অমগী অধিকার লৈবা মতম্দু মন্বন্তর অমা কৌই। মতৌ অসুম্না মন্বন্তর তরামরিরক শুরকপদা ব্রহ্মাগী নোংমা ওই (শাই)। মতৌ অদুম্না পারকপদা ব্রহ্মাগী নোংমগী মনুংদা সত্য যুগ

বৈবস্বত-নাম এই সপ্তম মন্বন্তর।
সাতাইশ-চতুর্যুগ তাহার অন্তর ॥৭

অর্থ :—

মন্বন্তর তরেৎ শুবা বৈৎস্বতগী তুংদা।
যুগমরি কুপ্সরেৎলক হৌগ্রব মতুংদ ॥৭

গৌর-কৃপা টীকা

৯৯৪, ত্রেতা যুগ ৯৯৪, দ্বপর যুগ ৯৯৪, কলি যুগ ৯৯৪ বক লৈ। বিষ্ণুপুরাণগী মোৎ মতুং ইমা হাঙৈরবদি সত্য যুগ লিশিং অমা, ত্রেতা লিশিং অমা, দ্বাপর লিশিং অমা অমসুং কলি যুগ লিশিং অমনা ব্রহ্মাগী নোংমা শাই। কৃতং ত্রেতা দ্বাপরঞ্চ কলিশ্চৈব, চতুর্যুগম। প্রোচ্যতে তৎ সহস্রঞ্চ ব্রহ্ম দিবসং মুনে ॥ বিষ্ণু পু ১।৩ ১৪।। মীওইবগী চহিদা পারগা (হাঙৈ চহি ১৭,২৮,০০০না সত্য যুগ, চহি ১২,৯৬০০০ন ত্রেতা যুগ চহি ৮,৬৪,০০০না দ্বাপর যুগ অমসুং চহি ৪, ৩২,০০০না কলি যুগ শাই, মসিম অসিনা দিব্যযুগ শাবিবা চহিনা মীওইবগীদা পারগা চহি ৪,৩২,০০০নি। মতৌ অসুম্বা পাবদা ব্রহ্মাগী নোংমগা মাবব চ'হুদি মীওইবগী হাঙৈরগা চহি ৪২,৯৪০৮০০০০নি) (বিষ্ণুপুরাণগী মোৎতনা চহি — ৪৩১০০০০০০০০ নি)। ব্রহ্মাগী নোংমবু কল্প কৌই, কল্পব্রাহ্ম দিনম— শব্দকল্পদ্রুম। ব্রহ্মাগী পু খিনগী মতমদা শাংলিবা অসিগুম্বা নুংদাংগী মতমসু শাংজৌ। অহিং অমগা নুমিৎ অমগা পুল্লগা কল্প লোংমা শাই। মতৌ অসুম্বা নুমিৎ কুণ্ডা অমদি কল্প কুণ্ডানা ব্রহ্মাগী থা অমা শাই অমসুং থা তরানিথোইনা চহি অমানি; চাং অসিদা চহি চামা শুরগা ব্রহ্মাগী পুন্সি লোইরে। (মন্বন্তর কুন (২০) শুবদা ক্ষীরোদ সমুদ্র মন (নৈবদ) তৌবদ শ্রী'বিনা বৈদ্যধন্বন্তরি (লাইগী মাইবা) গী মমক ওইদুনা অবত র তৌবদা অমৃতন থল্লবা কমণ্ডলু (খুজাই) পাইদুনা থোংথোরকই। ধন্বন্তরি অসিনা বিশ্ব মিত্রগী মচা শ্রীসুশ্রুত কীবা শিষ্যদা আয়ুর্ব্বেদ মখল নীপান পাওতাক পীখি। গড়ুর পূরাণ ১০০। লমাই ৫৩৭)।

৭। কল্প খুদিংদা (ব্রহ্মাগী নুমিৎ খুদিংদা) ব্রহ্মাগী মচা মনু কৌব তরামরি লৈ চাইনা থডবৈ, মখোই খুদিংমক প্রজাবু ঙাকপিবা মরম অমসুং ধর্ম্ম শাস্ত্র ঙাওবা ঙম্বা ঙাক্তনি। মনু তরা মরি অদুগী মমিংদি (১) স্বায়ম্ভুবমনু, (২) স্বারোচিষ, (৩) উত্তম, (৪) তামস, (৫) রৈবত, (৬) চাক্ষুষ, (৭) বৈবস্বত, (৮) সাবর্ণি, (৯) দক্ষসাবর্ণি, (১০) ব্রহ্মসাবর্ণি, (১১) ধর্ম্মসাবর্ণি (১২) রুদ্রসাবর্ণি, (১৩) দেবসাবর্ণি অমসুং (১৪) ইন্দ্রসাবর্ণিমনু। হৌজিক মনু তরুক্তা নিংথৌ ওইবগী মতম লোইখরে (মন্বন্তর তরুক হৌখরে), তরেৎশুবা মনু বৈবস্বতনা লৈবাক ঙাকপা মতম ওইরি।

অষ্টাবিংশ চতুর্যুগে-দ্বাপরের শেষে।
ব্রজের সহিতে হয় কৃষ্ণে প্রকাশ ॥৮

অর্থ

যুগমরিনা কুন্নিপান শুবা দ্বাপরগী মমৈদা।
ব্রজগা লোয়ন্নৈ কৃষ্ণনা ফোংনা শান্নবদা ॥৮

গৌর-কৃপা টীকা

বৈবস্বত—হৌজিক চৎলিবা মন্বন্তর তরেৎশুবা অসিগী মমিং বৈবস্বত কৌই। যুগ মরি—কুন্তরেৎলক—বৈবস্বত—মন্বন্তরগী মনুংদা যুগমরি হুন্ফুতরামাথোই অমদি দিব্যযুগ লৈরিবত্তুগী দিব্যযুগ কুন্তরেৎ (হায়রবদি সত্য ২৭, ত্রেতা ২৭, দ্বাপর ২৭, কলি ২৭) হৌখ্রবগী মতুংদা।

৮। যুগ মারিনা—কুন্নিপাল অসিনচিংবা—যুগ মরি অসিনা কুন্তরেৎলক হৌখ্রবগী মতুংদা কুন্নিপান শুরকপগী দ্বাপরগী মমৈদা। "আসন্ বর্ণাস্ত্রয়োহ্যস্য" অসিনচিংবা শ্রীমদ ভাগবতকী ১০।৮।১৩ শ্লোককী টীকাদা শ্রীল বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীনস্য ইরম্মী—বৈবস্বত মন্বন্তরগী অষ্টাবিংশ চতুর্যুগ, যুগমরিনা কুন্নিপান শুরকপা বৈবস্বত মন্বন্তরগী দ্বাপরদা স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ ওই অমসুং মাহুগী মতুংদা হেক থংনবা কলি যুগতা মহাক্না সনা অহিংবগী মচু মান্না (গৌর ওইদুনা) অবতীর্ণ ওই। এবঞ্চ বৈবস্বত মন্বন্তর গতাষ্টাবিংশচতুর্যুগীয় দ্বাপর-কলিযুগয়োঃ স্বয়ম অবতারী কৃষ্ণ পীতশ্চ প্রাদুর্ভবতি। ব্রজগা লোয়ন্নৈ—ব্রজধামগা মরূপ-মপাং (পরিকর) গা লোয়নন।

পয়ার অসিদা শ্রীকৃষ্ণ অবতারগী বা হায়রবি। হৌজিক বৈবস্বত-মন্বন্তর কুন্তরেৎ হৌখ্রবগী মতুংদ যুগমারশি কুন্নিপান শুরকপগী সত্য অমসুং ত্রেতাগী মতাংদা দ্বাপর যুগকী মমৈদা স্বয়ং ভগবান ব্রজ-নিংথৌগী-মচা শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ ওই। মহাক্না অবতার তৌবা অসিনা মরম ওইদুনা মাগী লীলা মক্কম অমসুং মাগী লোয়নবশিংসু মতুং ইন্নকই (অবতীর্ণ ওই)। মহাক্না ফোংদোক্না শান্নবগী নিয়মদি, অহানবদা মাগী ধাম (মফম) হান্না ফোংদোকই, মাতুগী মতুংদা মম-মপা গুরুজন লোইনবশিং ফোংদোকই অমসুং মাতুগী মতুংদা পোকপগী লীলা মালহন্দুনা সাইওন অদু পুথোকই। "পুক্নংদা লীলা ফোংদোক্নে শক্লকপা মতমদ ॥ মম-মপা ভক্তশিং ফোংদোকহল্লী অহানবদা পোকপনচংবগী লীলা ফোংদোকই মতুংদ ॥ ২।২০।৩১৩—১৪॥" মতৌ অসুম্না ব্রহ্মাগী নোংমদা হায়রবাদ মী ওইবগী-চহি ৪২৯৪০৮০০০০ দা (বিষ্ণুপুরাণগী মোংতা চহি ৪৩২০০০০০০০০তা) শ্রীকৃষ্ণনা অমুক্তং ব্রহ্মাণ্ড অমদা অবতীর্ণ (ফোংদোক্লনা) ওইদুনা লীলা শন্দোকই।

দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য, শৃঙ্গার—চারি রস।
চারি ভাবের ভক্ত যত কৃষ্ণ তার বশ ॥৯
দাস সখা পিতা-মাতা-কান্তাগণ লঞা।
ব্রজে ক্রীড়া করে কৃষ্ণ প্রেমাবিষ্ট হৈয়া ॥১০

অর্থ :-

দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য, শৃঙ্গার—রস মরিগী।
কৃষ্ণবু ভজনা থৃহুম চরী ভাব মরিগী ॥৯
মনাই, মরূপ মপা-মমা-চান্নবীগা লোয়নননা।
কৃষ্ণনা ব্রজদা শান্নৈ প্রেমগী-মথাপোক্নুনা ॥১০

গৌর কৃপা টীকা

৯—১০। শ্রীকৃষ্ণন মায়াদা অবতার তৌরগ মরূ-মরূ লৈবা থবক কার তৌরগদগে হাঙবত্ত পয়ার অসিদা উৎলি ঐশ্বর্যগী জ্ঞান য়াওদবা ভশেং ভশে বা মাধুর্যগী ভাব চংপা ভক্তশিংগী প্রেম-মাধুর্য অমসুং মথোইগী লেইননা লীলা শান্নবদা লীলাগী মাধুর্য চুপকে হাঙবগীদমক রসিক-শেখর শ্রীকৃষ্ণনা এত্ত পুম্নমক্কা পোরা হুনা লৈ। থৌরাংশিবা অসি নীংবা থুংনবগীদমক মরূ লৈবা লীলা কয়ামুক পুথোকই (১ ৪ ১৫ পয়ারদা য়েংবিয়ু) মসুম ওইবা ঐশ্বর্য্য-জ্ঞান য়াওদবা আশংবা মাধুর্যগী মশক লৈবা লীলা অসি বৃজ নত্তনা অতৈ কবিগুম্বা থামদা—শান্নবা লৈ ত, লীলা অসি পাত্তখরবগীদমক বৃজদা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ অমসুং স্বরূপ শক্তিনা অনাদি কালদগী মহাকী মনাই, মরূপ, মপা-মমা অমসুং (কান্তাগণ) চান্নবী ময়াম লৈই সাইওন্নুনা মহাকপু অমসুং রস মাধুর্য্য চুপহন্নী নিত্যসিদ্ধ অমসুং সাধনসিদ্ধ জীব-ভক্তশিংসু অনাদি সিদ্ধ লীলা পুম্নমকী লোয়নবশিংগী (পরিকর) ওইনা শ্রীকৃষ্ণগী লীলা রস চুপহন্না লৈ মনাই অমসুং মরূপচিংবা লোয়নবশিংগী মনুংদ মথে ঈ থাং-থাংপনা শ্রীকৃষ্ণনা হুর্শিবা তাক্লনি, থাঙেনবা মনাইদগী মরূপ, মরূপতুগী মম মপানা, অমসুং মম-মপাদগী চান্নবীশিং। শ্রীকৃষ্ণদা হুর্শিবা হেন্নী, হুর্শিবা হনবগী মতুংইন্না লাঙনবা পুম্নমক্কী প্রেমগী মধুর্য্যসু হেন্নী শ্রীকৃষ্ণদ মনাই ভক্তনা নীংবা ভাব অদুগী মমিং দাস্য অমদি দাস্যরতি কৌই, মরূপশিংগী ভাবকী মমিং সখ্যরতি, মমা মপাগী ভাবকী মমিং বাৎসল্যরতি অমসুং চান্নবীশিংগী ভাবকী মমিং কান্তারতি অমদি শৃঙ্গার-রতি কৌই। শজোম অফবদ শর্করা (চিনি) হাপচিল্লগা মহাও হেনগৎপগুম্না দাস্যনচিংবা রতি মরি অসিন্দু বিভাব (হুর্শিবা) অনুভাব (থর হেন্না হুর্শিবা হাপচিল্লগ শিংথাবা ভমদনা-কক্লবা মাধুর্য্যগী মশক ওইবা রস মরি ওন্নী (মধ্যগী মতাং

যথেচ্ছ বিহার কৃষ্ণ করে অন্তর্ধান।
অন্তর্ধান করি মনে করে অনুমান॥১১

অর্থ:—

নীংতম্না শান্নরম্লগা থুপথখে কৃষ্ণনা।
থুপ্লগা খল্লক্নে ওন মনন মপৃক্তনা॥১১

গৌর-কৃপা টীকা

২৩ দা শন্দোক্না য়াওখরে); রস মরি অসিগী মমি দি দাস্যরস, সখ্যরস, বাৎসল্যরস অমসুং শৃঙ্গার রস অমদি মধুর রস কৌবা রস মরি অসিগী মাধুর্য্য অসিন কয়া য়াম্না কনখগে হাঙবদা, আত্মারাম শ্রীকৃষ্ণনা মতম পুম্নমক্তা মুংঙাইহনবা নৈবা ঙম্নবস্থ রস মরি অসি চাগদবগীদমক খোরাংহনা লাংতক্কনুনা নৈ অমসুং মথক্তা হাঙিল্লিবা ভাব মরিগী ভক্তগা (হাঙবদি মনাই, মরূপ, মমা মপা অমসুং চান্নবীশিংগা) লোয়নবা নত্তনা রস অসি চুপ্না ঙমদে হাইহনা অমসুং মথোঙিবনা রস অসি চুপচল্লী হাইহন শ্রীকৃষ্ণ মনিংমথা তৌবা ঙম্বা ভগবান ওইরবসু ইকোং-ঙাংনা ভাব মরি অসি চৎপা ভক্তশিংনা মাবু থুহুম চন্দুনা নৈ। মরম পুম্নমক অসিনা, এহাক্না করিগুম্বা মকম অমদা লীলা শান্নগে হাইনা বাখন তৌরকপা মত।—হাঙিল্লিবা মখল মরিগী ভক্তবু লোয়নহনা পুই, মথোঙই অসি মহাক্কী থাইদাক্কুবা য়াত্রবা লোয়নবনি (নিত্য-পরিকরনি) মায়গী সংসরদা ইবুংঙো মানা অবতার তৌবা মতমদসু হাঙিল্লিবা মখল মরিগী ভক্তশিংবুসু লোয়নহনা পুই অমসু মথোঙীগী প্রেমগী মথা পোন্দুনা মথোঙীগা লোয়নহনা অংবু অপ্রকট লীলা কোংদে কই। মসক্কী পয়ার ১ ৩। ৩ গী টীকাদ শ্রীকৃষ্ণগী লোয়নবশিংদি অরেপ্পনি নিত্যনি হাইহনা পদ্মপুরাণদা শ্রীসদাশিবনা শ্রীনারদদ হাইখি—প্রকট অমসুং অপ্রকট লীলা অনীমক্তা শ্রীকৃষ্ণন মহাক্কী নিত্য-পরিকরশিংগা লোয়নহন লীলা তৌরনা লে॥ "যথা প্রকটলীলায়াং পুরাণেষু প্রকীর্ত্তিত তথা তু নিত্য-লীলায়াং সন্তি বৃন্দাবনে ভুবি॥ "পদ্ম, পু প, ৫২ অ॥"

মনাই শ্রীকৃষ্ণগী দাস্যভবকী ভক্ত (মনাইনি হাইনা খনবা ভক্ত) রক্তক পত্রকনচিংবা মথোঙই অসি নন্দমহারাজগী মনাইনি মরূপ — শ্রীকৃষ্ণবু মরূপনি হাইনা খনবা ভক্ত; সুবল-মধুমঙ্গলনচিংবা। মপা-মমা-বাৎসল্য ভাবকী ভক্ত (শ্রীকৃষ্ণবু মচানি হাইনা খনবা নন্দ মহারাজ, যশোদা রানী। চান্নবী—কান্তা, মধুর ভাবকী ভক্ত শ্রীরাধিকানচিংবা ব্রজগী নিংথজবীশা, মাখ ইনা শ্রীকৃষ্ণবু মথবাইগী মপুন (প্রাণ নাথনি) হাইনা নীংঙ: লাইন-চিংবা পুম্নমকসি শ্রীকৃষ্ণগী মমুং-মনুংনি (লোয়নবনা পরিকরনি) লোয়নহন—পুহনা। ব্রজ—বৃন্দাবননা। শ নৈ—কীগা শান্নে।

১১। শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজদা হাইবদি গোকুলদা মনাই মরূপচিংবা নিত্যগী লোয়নবশিংগা তিন্নহনা কোংদোক্না লীলা শান্নবহুঙী রস চুপ্নী, অপ্রকট ব্রজ (কোংদোক্লবা ব্রজ)

গৌর-কৃপা-টীকা

মশীগী চেন্না অঙকপা অখন্নবা ওইবা করিগুম্বা লীলা অমা, রস চুপকে হাঙ্গৈবগীদমক ব্রহ্মাণ্ডদা শ্রীকৃষ্ণনা মাগী লীলা পুখোরকই—কোংদোকপা মতুংগী মতাং ৪ শুবদা শন্দোক্লা ইজরি। ব্রজদা শ্রীকৃষ্ণ অঙকপগী মশক ওইবা লীলা অদু কোংদোক্ল: রস চুপ্লগা ব্রহ্মাণ্ডদা মাগী লীলা অদু অমুক উহনখিব্রে (থুপচিনখার)।

নীংতম্মা—থুশী তৌদুনা। শান্নরম্লগ—বন্দাণ্ডদা লৈরিবা ব্রজদা কোংনা মী অমাম্বা খঙনা লীলা শান্নরগা। থুপথরে—লীলা উহনখিদরে, কোংদোক্লা লীলা শান্নরিঙৈগী মতমদা মী পুম্নমক্লা উজবা ফংলম্বদ হৌজিক্তি মাদু শ্রীকৃষ্ণনা উহনখিব্রে। থুপ্লগা—লীলা উহল্লগা। খল্লক্লে—শ্রীকৃষ্ণনা মপুক্লিংনা মওন মওন খল্লকপদু পয়ার ১১-২০ দা কোংদোকচরি

মায়াগী জগৎ অসিদা লৈরিবা গোকুলদা শ্রীকৃষ্ণনা ইকো-কোংনা লীলা শান্নখি; মাদুবু কোংদোক্লা শান্নবা লীলা কৌই। লীলা অদু শান্ননীংবা মও মথৈ শান্নরম্লগা থুপচিনখরে, হৌজিক্তি মায়িক ব্রহ্মাণ্ডদা শ্রীকৃষ্ণগী লীলা শান্নবা উখিদরে। মাসিবু অফোংব-লীলা অন্তর্ধান ওইখিবা হাঙ্গৈনে। "তদেবং মাসদ্বয়ং প্রকটং ক্রীড়িত্বা শ্রীকৃষ্ণোঽপি তানাত্মবিরহার্ত্তিভয়পীড়িতানং পুনরেবং মাভূদিতি ভূভার-হরণাদি প্রয়োজনরূপেণ নিজ-প্রিয়জনসঙ্গমান্তরায়েণ সংবলিত প্রায়াং প্রকটলীলাং তল্লীলাবহিরঙ্গেণাপরেণ জনেন দুর্ব্বেদতয়া তদন্তরায়সম্ভাবনা লেশরহিতয়া তয়া নিজসন্ততাপ্রকট—লীলয়ৈকীকৃত্য পূর্ব্বোক্তা প্রকটলীলাবকাশরূপং শ্রীবৃন্দাবন স্যৈব প্রকাশবিশেষং তেভ্যঃ স্যেন নাথেন সনাথং শ্রীগোকুলাখ্যং পদমাবির্ভাবয়ামান—শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভ। ১৭৫ ॥"

শ্রীকৃষ্ণনা ব্রহ্মাণ্ডদা লীলা কোংদোক্লা শান্নবা মতমদসু গোকুলদসু মী উহন্দনা ইমুং-মনুং মরূপ-মপাংশিংগা লোইননা লীলা শান্নবা তোক্তে, লীলা শান্নবা তোক্লনবা লোইনবশিংগী মশক অমমম গোকুলদা লৈহৌই, অদুগা মশক অমমমসু ব্রজদা কোংদোক্লা লৈ। বৃহদ্-ভাগবতামৃতদা শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীনসু নারদগী উক্তিদা (বাঙালা) কোংদোক্লম্মী, মাদুদি, শ্রীভগবান্না মকম অয়াম্বদা মূর্ত্তি য়াম্না পুখোক্লনা লৈবঙ্গা মাগী সেবাদা থবাই য়াওজবশিংসু মর্ত্তি য়াম্না পুখোক্লনা শ্রীকৃষ্ণগা ইলোইদা লোইনদুনা নিতিগী সেবা তৌই। শ্রীকৃষ্ণগী লোইনবা অমা মূর্ত্তি ময়াম পুখোক্লবগা হায়াগী মশা অদুদা করিসু অকাইবা লৈতে

"যথাহি ভগবানেকঃ শ্রীকৃষ্ণ বহুমূর্ত্তিভিঃ বহুস্থানেষু বর্ত্তে। তথা তৎসেবকা বয়ম ॥২।৫।৫২। সর্ব্বেঽপি নিত্যং কিল তস্য পার্ষদঃ সেবাপরাঃ ক্রীড়নকানুরূপাঃ। প্রত্যেক-

চিরকাল নাহি করি প্রেমভক্তি দান।
ভক্তি বিনা জগতের নাহি অবস্থান ॥১১

অর্থ :—

প্রেম ভক্তি দান তৌদবা মতম কুইরে য়াম্না।
জগৎসিদা অরেম্পা লৈতে ভক্তি নত্তনা ॥১২

গৌর-কৃপা টীকা

মেতে বস্তুরূপবস্তেহপ্যৈক্য' ভক্ত ভগবান ন.থাদসী ।২।৪।১৫॥" বাক্যদা কোংদোক্লা শাস্ত্রবগ্বা লোইনবশিং অদু গোকুলদা থুপ্পা শাস্ত্ররিবা লোইনবশিং অদুগা অমতা ওইনা তিন্নখিবা অদু অকোংবা লীলা অন্তর্ধান ওইখিবা .কোই—শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভ: (১৭৪) 'তৌইগুস্মস্ত' বৃন্দাবনচন্দ্রদি বৃন্দাবনদা অতোপ্পা মফমদা থোংকম অমা ফাওবা কাম্হোক্তনা চংতে হাঙ্গৈরিবনা লোইনবশিংস্থ চংতে, ইবুংঙো মানা উহমৌংবা মন্তমদা উহনবা, উহমৌংদবা মতমদা উহন্দবগী বাতনি। বৃন্দাবন থাদোক্তনা মধুপুর অমসুং দ্বারকানচিংবা অতোপ্পা মফমদা চংলি হাঙ্গৈরিবা অসিদি শ্রীকৃষ্ণনা পুথোকপা সাইওন নত্তিনা চংপনি, থাঙ্গৈথোংনা মথানা চংপা নত্তে মতুংগী ১।৩।২১ পয়ারদা য়েংবিয়ু)। মতৌ অসুম্না উহল্লম্বদা উহনখিদবা অসিবু মীচম্না, অসুম্না হাঙ্গৈ—শ্রীকৃষ্ণনা লীলা কোংনা শাস্ত্রস্বদগী অন্তর্ধান ওইখিহনা (থুপচিনখিহনা) গোলোক্তা চংখরে। লীলা থুপচিনগগা, গোলোক্তা লৈরগা মথাগী পয়ারদা ইরিবা অসি শ্রীকৃষ্ণনা বাখল তৌবা হৌরক্লে।

১২। গোলোক্তা লৈরগা শ্রীকৃষ্ণনা করি বাখল তৌবগে হাঙ্গৈবহু পয়ার ১২-২১দা ইরি। পয়ার থরা অসি কৃষ্ণনা পুক্লিংনা নীংবনি।

মতম কুইরে—মতম শাংলে ।১।১ ৯ শ্লোকী—চিরাৎ—শব্দগী টীকাদা য়েংবিয়ু। প্রেম ভক্তি শুদ্ধ-মাধুর্যময়ী ভক্তি, শ্রীকৃষ্ণগী পেম্নবগীদমক সেবা পামজবা মুক্তি ফংগে হাঙ্গৈনা বাখল ফাওনা তৌ, ভক্তি নত্তনা—প্রেম ভক্তি নত্তনা, ভক্তি মার্গগী ভজন জগৎসিদা-জগৎ অসিদা লৈরিবা মায়াগী জীব মনুংদা। অরেম্পা লৈতে—মায়িক জগত্তা গর্ভ অম-দগী অতোপ্পা গর্ভ অমদা হোংবা, অমদি ফিবম অমদগী অতোপ্পা ফিবম অমদা হোংবগী অরেম্পা লৈতে। মায়াগী পোত্তবু পুক্লিংনা পাম্ববদি হন্না হন্না পোক্লুবা ওমথৈ লৈতনা অবাথা ফংতিঃ মায়াগী পোত্তা পুক্লিং পাম্লিবা মতম মথৈ সংসার অসিদা অবাবা কোকদবা লৈতে, অমুক পোকপা অমুক শিবা অস্তুন্না হন্না হন্না তৌহনা লৈগনি, করিগুম্বা ফিবম

সকল জগতে মোরে করে বিধি ভক্তি।
বিধিভক্ত্যে ব্রজভাব পাইতে নাহি শক্তি॥১৩

অর্থ

জগৎ'পুম্বন' লৌ'নরি ঐবু বিধি ভক্তিনা।
ব্রজভাব ফংবগী শক্তি লৈতে বিধি ভক্তিন' ॥১৩

গৌর-কৃপা-টীকা

অমদা অরেপ্পা ওইনা লৈবা ওয়োই মায় থাদোকপা ওম্বা মতমদা জীবনা মাগী মহৌশাগী মশক কেপ্তুনা লৈবা ওম্বী, স্বরূপ-তা (হৌরককদ' লেপ্তুনা লৈবা ওম্বা মতম অহুদা হাঙ্গৈনা ঈশ্বরদা চংজহুনা লৈবা ওম্বা মতমদা সংসারগী পোকপা-শিবাগী অর-অনা কোকখিগনি, মতম অহুদা জীবনা অমাং-অতা লৈত্রবা অরেম্প' ভগবদ্দা'ম লৈহুনা ওমথৈ লৈতনা মুংঙাইবা ফংবা ওম্বী। তৌইগুম্বসুং ভক্তি নতনা'দ মুংঙাইবা অহু ফংবা ওমদে। যোগ—জ্ঞানচংবনসু জীব-না মোক্ষ (অয়ান থুবম) ফংহুনা ভগবদ্ধ মদা চৎপা। ওম্মীদি হাঙ্গৈববু ভক্তিগী পাম্বে হয়াও য়াওদনদি ওইথোক্তে "ভক্তিমুখ-নিরীক্ষক কর্মযোগজ্ঞান।।২২ ৪ তৌইগুম্বসুং ভক্তিগ লোইনহুনা যোগ-জ্ঞানচংবন। অয়ান থুবমক্তু ফংলবসু জীবনা মুংঙাইবগী অরোইবা থাক্তি ফংবা ওমদে—মুক্ত ওইরবা জীবসু অমুক্তা হন্না প্রেম-ভক্তিগা লোইননা শ্রীকৃষ্ণদা সেবা তৌনীংবা পোক্লনই, মশাগী—অহানবগী ফিবম অহুনা মাগী অপেনবা ওইদে, শ্রীকৃষ্ণ সেন ফংজনবগীদমক মুক্ত ওইরবা জীবগী শুদ্দসু কনাগুম্বা অমদ হাঙ্গৈজবা লাকই 'হাঙ্গৈবা, তাবা ফংঙী। "মুক্তা অপি লীলয়া বিগ্রহং কৃত্বা ভগবন্তং—ভজন্তে নৃসিংহতাপনী ২।৫।১৬ শাঙ্কর ভাষ্য।" মরম অসিনা মুক্ত ক পবা মীশিংগী মনুংদা মশ-মশাগী ফিবম অহুদা অচেৎপা অরেম্পা ঊবা ফংদে। পরব্যোমদা লৈরিব ভগবৎকী মশক পুম্বনক অমসুং মখোয়গী লক্ষ্মী-পুম্বনক শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজলীলা রস চুপ্নীংবনা মখোঙ্গী পুরি অদু লাংতক্কহুনবা লৈ, তৌইগুম্বসু ব্রজদা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমসেব ফংজরবা মখোয়শিং অহুদি ভগবানগী অতৈ অতোপ্পা মশকপু অমসুং পরিগুম্বা লাই অমবু সেবা তৌগ হাঙ্গৈন' নীংহন্ত্রে অহুগা করিগুম্বা ধাম অমদা লৈগে হাঙ্গৈনসু নীংবা উদ ব্রজগা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম-সেবা (ব্রজ প্রেম) ফংজরবদি জীবগী সিদ্ধ ফাবা ঔরে, মুংঙাইবগী অরোইবা থাক ফংবা ঔরে; অদুম ওইব প্রেম-সবা অসিদি ভক্তিতনা ফংবা ওম্বী, মরম অহুনা ভক্তি নত্তন জগৎ অসিদা অরেম লৈতে হাঙ্গৈরিবান।

১৩। জগৎ অসিদা ভক্তি মার্গ ইচং-চক্রবরা হাঙ্গৈনা হংবা য়াই, মাসিগী পাওখুমদি জগৎ অসিদা ভক্ত চৎপদ লৌদ-লৈ হাঙ্গৈববু মাহু বিধি-ভক্তি তাক্তা ওইনা তৌই;

গৌর-কৃপা টীকা

বিধি-ভক্তি চংপনদি ব্রজগী শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমসেবা ফংবা ঙমদে, মরম অদুনা মাহুদা জীবগী অপেক্ষা কানবা ফংগনি হায়না নীংঙ্ক্রম থোক্তে। শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম-সেবাদি-বাপা মুগা ভক্তি চংসগদবা ফংবা ঙম্মী; মতৌঙমখুং জগৎ অসিদা রাগা মুগা ভক্তি চংপদি যাম্না তাঙখবে

জগৎ' পূম্বনা—ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কা, জগতা লৈরিবা জীবগী মথুংদা লাই নীংজরিবা (ভজন তৌজরিস) মখোয় পুম্নমক্ক ঐবু—(শ্রীকৃষ্ণ বিধি ভক্তি—হরি লৈংত্রবদি লৈথা তাগনি, নাক্রোক তাগনি খন্দুনা তৌবা ভক্ত অদুবু বিধি ভক্তি কৌই, অদুগা বিধি (নিয়ম, আইন) না লৌদুনা বিধিগী মতুং ইন্না সেবা তৌবা অদুবুসু বিধি-মার্গ ভক্তি কৌই। শাস্ত্রদা অস্রুম্না টরি—জীব অদুনা ভক্তিগী কম্বেন্দি চত্তনা মশাগী শর্মদা চংপনদি নোক্রোক্কী অবানদগী কোকপা ঙমদে ভা, ১১।৫ ২॥ নাক্রোক তাগনি হায়বগী কিবনা, মরম অহৌবা ওইদুনা নীংথিবা (ভজন) ওইবনা শ্রীকৃষ্ণদা মুংশিবা পোক্তে। ব্রজ ভাব—ঐশ্বর্য্যজ্ঞান য়াওদবা শংশেংবা-মাধুর্য্যময় ভাব (অথোইবা ভাব)। রাগানুগা ভাব ভাব অসি ব্রজ-নন্দনা অতৈ অতোপ্পা করিগুম্বা শামদা উবা ফংদে। ব্রজগী দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর ভাব মরি অসিগী থুচিংমক্কা শ্রীকৃষ্ণগী মথক্তদ ঐশ্বর্য্য জ্ঞান লেপ্তে (লাইনি হায়বগী বাখল লেপ্তে); শ্রীকৃষ্ণবু মখোয় মশামক্কীনি হায়না খন্দুনা যাম্না নুংশিনা ইবুঙো নাগী পেম্নবগীদমক সেবা তৌই। মখোয়গী সেবা অদুদা মশাগী নুংঙাইবা ফংনীংবগী বাখল শম্ন-মকৈ অমা ফাওবা তৌদে, নুংঙাইবা ফংনীংবগী মনম ফাওবা নমদে। অসুম ওইবা ব্রজগী ইমুং-মনুং ওইবা লোয়নবশিং অসিগী মতুং ইন্নবা ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণবু নীংজরগা (ভজন তৌরগা) জীবন। ব্রজদা শ্রীকৃষ্ণ প্রেম সেবা ফংজবা ঙম্মী। (মধ্য লীলাগী মতাং ২২ দা য়েংবিয়ু)। ফংবগী শক্তি লৈতে—কনা অমত্তনা ফংবা ঙমদে; বিধিমার্গনা ভজন (নীংবা) তৌবদা শুদ্ধ—মাধুর্য্য ওইবা বৃন্দাবনচন্দ্র শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফংবা ঙমদে বিধিমার্গনা নীংবনা, ঐশ্বর্য অবা অনা চংলকপদবা। অদু তাকথোক-পীনবগীদমক খনবগা লাইনন নিংশ্রবনিনা কর্ম-ফল (ফল) পীবিবা ঈশ্বরগী ঐশ্বর্য্যগী বাখল অদু পুম্নিংদা মতম লৈবা থিবক্তা কাউবা ঙমদে; ঐশ্বর্য্য-জ্ঞানগা লাইননা নীংশিনা ঐশ্বর্য্যগী ভজক ওইবা ভগবতন্ত্রদা সাধক্তা ফংই; শুদ্ধমাধুর্য্য ফংবা ব্রজধা ফংবা ঙমদে। মরমদি; ভগবানা বাশকখি, মানা মানা নীংজবগী মতুং ইন্না মহয় (ফল) পীবিগনি, "যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাংস্তথৈব ভজাম্যহম্। গীতা ৪।১১" ঐশ্বর্য্যজ্ঞান য়াওদনা শুদ্ধ মাধুর্য্যদা নীংলগা (ভজন তৌরগা) শুদ্ধ মাধুর্য্য

ঐশ্বর্য্য জ্ঞানেতে সর্ব জগত মিশ্রিত।
ঐশ্বর্য্য—শিথিল প্রেমে নাহি মোর প্রীত ॥১৪

অর্থ:—

জগৎকী মীঅয়াম্বনা পায়ে ঐশ্বর্য্যবু।
ঐদি পামজদে ঐশ্বর্য্যগা য়ান্নবা প্রেম ॥১৪

গৌর-কৃপা টীকা

ওইবা ব্রজধাম কংবা ঙম্মী। পূম্মমকপু খঙবা, ঊবা শ্রীকৃষ্ণনা কৃপা তৌবিহুনা সাধকপা নীংজবা অহুগী মোং মতুংইন্না মহন্ন ঐ কংহনবি। "উপাসনানুসারেণ দত্তে হি ভগবান ফলম। বৃ, ভা, ২।৮ ১৯১" ॥ মতুংগী পয়ার ১৫দা য়েংবিয়ু।

শ্রীকৃষ্ণনা বাথন তৌরম্মী, "জগৎ অসিদা বিধি ভক্তিদি লৈ, অহুগা প্রেমভক্তি চংপা জীবদি য়াম্না তাঙভী; বিধিভক্তিনদি ব্রজগী ভাব মশাগী মুংঙাইবা থাদোকপা, ঐশ্বর্য্য-জ্ঞান য়াওদবা শুদ্ধ মাধুর্য্য ভাব কংবা ঙমদে, শুদ্ধ মাধুর্য্য—ভাব অসিবু কংবা ঙমজবদি দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর ভাব মরি অসিগী মমুংদা। করিগুম্বা ভাব অমগী মতুং ইন্দুনসু প্রেম ভক্তি কংবা ঙমদে, মরম অহুনা ব্রজদা ঐগী সেবা কংহুনা তপথনা লৈবা ঙমদে।"

১৫। ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা মী পুম্মমক্না শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা বিধি ভক্তিনা করিগী তৌরিবা অহুগা ব্রজভাব কংননবা উপায়না কবিগী থিজ্রিবনো মাহুগী মরম হাঈজরি। ব্রজ-ভাবকী মরমদা জীবনা করিসু খঙদহুনা ব্রজভাব কংননবা উপায় থিজ্রিবনি।

জীবনা সংসার অসিদা অন্না-অনং কংলিবা অসি বাথল খনবা হৈবা, অসিংবা মীশিংনা হাঈনবদি মান'-মানা তৌজব' কর্ম্ম কোলনা (ফল) অবাবা কংলিবনি হাঈনৈ। মথাঈগী মচিন্নগী বা অসি তারগা অতোপ্পা মী পূম্মমক কর্ম্ম কোল চঈবা অসি থন্না লুবনি হায়বা অসিতা খঙবা ঙম্মী; মরম অহুনা মথোঈনা ভগবানগী মরমদা খল্লবগা কর্ম্ম কোল কংহল্লিবা ভগবানগী বাতা মনিংতি। ইবুংঙো মহাকী ঐশ্বর্য্য (তৌবঙম্বা) গী বা নীংশিংলুবগা অকিবা পোক্লকই; অহুনা মশা মশনা হিংলিক্লৈগী মতমদা করিগুম্বা নাতে চাবা অমা কংজবা ঙমদে; মবম অতনা ভগবানগী মাধুর্য্যগী মশক ওইবা ব্রজভাবকী শকফম অহু ফংননবগীদমক মথে ঈগী মথোৎ আশা পোক্কে। কর্ম্ম-কালগীদমক কিবনা মুংশাথিরিবা মথোঈনা খঙভী—ঈশ্বরনা কর্ম্ম কোল পীরিবনি; পাপকীদমক লোবোক (নরক) কী অবাবা কংহল্লীবসু ঈশ্বর মহাক্নি, পুণ্যগীদমক স্বর্গনাচবা মুংঙাইবা কংহল্লীবসু

গৌর-কৃপা টীকা

ঈশ্বর মহাপ্রি, স্বর্গ ফংলবগী মতুংদা অমুক সংসাবদা পোন্নবগী থৌরা ইবুংগো মহাক্না তৌবিবনি। ইবুংগো মহাক্কী এশ্বর্য্যগী (ভোগস্বর্গী) শক্তিনা পুন্নমক অসি পাঙথোকপা ইত্তম ত্তমই। মখোইনা মাসিমস্তু খঙবা ঙম্মী ঈশ্বরগী কর্মফল পুন্নমক্তগী জীববু বোকহনবা ঙম্মী, অতৈ বনা অমত্তা ঙমদে। মবম অসিদগী ঈশ্বরগী মপান নাইদবা শক্তি মফমদা খুকুমজত্নুনা কর্ম্ম ফোঙ্গ বোবনবগীদমক প্রাথনা তৌদুনা লে, মতৌ অসি জীবনা ঐশ্বর্য জ্ঞান ওইবা বিধি—ভক্তি চৎলুবগী—মবম্না অস্মা খল্লীবনি।

ঐশ্বর্য্য—ঈশ্বরগী ভব, ঈশ্বরগী মপান ইদবা মংগা মযাম্নচিংবা। জগৎকী মী অয়াম্বন পাম্নি ভগবানবু লৈবিবা মী পুন্নমক্কী থমোইদা চংদুনা লৈ অমস্তু বৃপ্তুনা লৈ। ভগবানগী ঐশ্বর্য্যগী জ্ঞান্না জাবগী থমোইদা মতম লৈব্থিবি। চান্দনা লে, মসিম অদুন ঐশ্বর্যগী ভাবনা, বিধি-ভক্তিনা চৎবনা ঈশ্বরবু নীঙ।

ঐশ্বর্যগা যান্নব প্রেম—ঐশ্বর্য্যগা জ্ঞান্না বৃপশিন্দুনা মপাঙ্গল শোল্লবা প্রেম শ্রীকৃষ্ণবু ... পুংমগা। মসিম খুদিংমগা নুংঙাইহনগে হাঙ্গনা মবা অদুবু পেম কত মা অদুনা মশাংগা ভুশিনব যাংনবনা মবা (সম্বন্ধ) নংবদি অতোপ্পা বনানুস মংম পংমগা নুংঙাইহনগে হাঙ্গনা বনানস মপুবিদা লেদনা অরেপ্পা ওইনা নীদদে মবম অনা শিবগবু যশা নরবা মরী (সম্বন্ধ) নি হায়বন পুবিংদা নীবা চনদবদি মহাক্কী মফমদা নুশিবা পোংশা মদে। বনাংন্সা অমবু মবং খুদিমন্দা নুংঙাইহনগে হঙ্গনা যাম্না কংগা বম্লনদি মহাক্কী মফমদা কবিংন্যা হকাইবা শঙ্গোইবা শুবলৈ লৈতন, থবই হৈচিন্দনা সেবা তৌবদি নুংঙাইহনবা ঙম্মী, অদুনা যাঙ্গন হঙ্গনা খন্দুনা শঙ্গা বা অক্কবা লৈ। মফম অদুদদি থরাই হৈজিন্দনা সেবা তৌবা যাদে মযম হুনদি লেন্নবা তৌবস্ত হঙ্গোইবা পোংকই, অদুনা পম অদু শংদে লাজিন্না বৃপশিন্না। শ্রীকৃষ্ণ অসি স্বয়ং ভগবান্নি ঙাইথে লৈংবা ঐশ্বর্যগী মগুনি, অনন্ত কোটি বন্ধাণ্ডগী হও-কন্তু-বিধাতনি—অদুগা জীবদি অপিকপা বন্ধাণ্ডগী য়াম্না পিকবা শব অমদা লৈবায়ন লেন্নবা পোং অমনি, মহাক্কী কবিগুস্বা শক্তি অমত্রা লৈ মশাগী ঙাকচনা শক্তি ফাওা লৈজদ, মতৌ অহুম্না ভবগী ঈশ্বরগী য়ঙ্গা খেতে, তৌই অস্ত জীবগী ঈশ্বরগী খেন্নবিবা ভসিনা ভাব অসি জীবগী থমোইদা লৈবিবনিথে (কান্তিনমথে) ভগবানবু নুংঙাইহনগে হাঙ্গনা জাবগী থমোইদা নীদে কবিগুস্বা মতমদা নীলরবং ভাবানা অনন্ত ঐশ্বর্য্যগী বা নীতিশিক্ষানা নুংঙাইহনগে হাঙ্গনা নাংলবা কাউথি (মাওখি, মশনা হৈংশিবা শাত্নুনা খল্লুবা অদুগীদমক থমোইদা অকিবা হঙ্গোইবা পোকবই। ঐ চান্দগী

গৌর-কৃপা টীকা

মরম খুদিংমক্কা শকক কোটি গুণ হেনগ্রবা অহুগুম্বা মফম অহুদা নীঙতৌনা সেবা তৌবনা মহাক্কা পেনবিগনি হাঈনা নীংলুবা অসিনা থমোইদা লেংদনা লৈহনবা ঙমদে, ঐশ্বোন্দগী হন্থবা অমম্ভুং মান্নববুদি নীঙ-তম্না সেবা তৌই। মবম অসিনা ভগবানবু ঐশ্বর্য্যাগী মরমদা রাখন তৌকন্নবদি প্রেম অসি লৈচিন থাবগুম তৌরে, মশক ফজবা য়াদ্রে। ব্রজগী সুদাম কৌবা ব্রাহ্মণ লাইরবনা, লাইরবা কোক্লনবগীদমক, মাগী অঙাং ওইরিঙৈদগী তিম্নরকপা মরুপ শ্রীকৃষ্ণগী মফমদগী বন্ন অসি নিকখিগে হাঈনা নীংহুনা দ্বারকাদা চংলম্মী ; মাহুদা মহাক্কা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক্কি হাঈহুনা ফজবা পোৎ পুনিংঙাই লৈতহুনা, ফিজিদা চেং-কবোক মুৎ অমগী মান্দং কিশি কিশিন্দুনা পুবম্মী ; তৌইগুম্ফুং দ্বারকাদা য়ৌরগা, শ্রীকৃষ্ণগী কোম্নুং, নিংথৌগী ঐশ্বর্য্য অহু উবদা শ্রীকৃষ্ণ। পীজগে হাঈনা পুন্নকপা চেং-কবোক অহু পুথোকপা ঙমখিদে -ঐশ্বর্য্য উবগা মানা নুংশিবা অহু হঙ্গোইবা (ইকাইবা) পোকই। কুরুক্ষেত্রদা শ্রীকৃষ্ণগী বিশ্বরূপ দর্শন তৌরগা কৃষ্ণগী মরুপ অর্জ্জুন-না মরুপ্নি হাঈনা খল্লম্বদগী হঙ্গোইরক্লুনা (কিরক্লুনা) ঙাকপিযু হাঈনা প্রার্থনা তৌজখি। বলরাম-কৃষ্ণ মচিন-মনাও অনিনা কংশ নিংথৌ হ ৎলগ। মমা দেবকী মপা বাসুদেব অনিবু কৈশুম-শংদা বন্দি থনম্বহু লৌথোক্লগা মখোঈগী চবগুা খুকমজবা মতমদা মচা অনিবু য়াম্না তৌবা ঙম্বনি, লাইনি ; ঐশ্বর্য্য খিবিন্না তিনবনি হাঈনা খল্লুবদগী—মচাদা মুংশিবগী তৌবা হৌনবী (চুপ্পনচিংবা ভৌগদবা) অহু ভোকখিহুনা অকিবা পোকখি ; জগৎকী ঈশ্বরনা মখোঈ অনিদা খুকুম্নে হাঈনা খনখিহুনা কিবনা মতম কুইনা উল্লবা মচা অনিবু মতমপাক্তা পবহুনা চুপ্পা ঙমখিদে। (শ্রীভা, ১০। ৪৫ ।৫০ ৫১)।

রুক্মিনী দেবীনা মপুক্কিংদা শ্রীকৃষ্ণবু আত্মারাম্নি পরমাত্মানি অহুনা নুপী, মচা অমম্ভুং যুম্নচিংবদা করিম্নু থরাই লুপ্পিবয়োই, বপিগুম্বা মতমদা মহাকপু (রুক্মিনীবু) থাদোক্লুনা চংখিবা য়াই হাঈনা খন্‌খী, অমুম্না খল্লুবদগী রাখন অহু বুংশিল্লক্লুনা চিংনবা অমা পোক্লগুনা য়াম্না বিম্নক্লে, রারক্লে অহুদগী খঙহৌদনা রুক্মিনী দেবীগী মখুত্তগী সেবা তৌরিবা হুমাই অহু লৈমাইদা তাগ্রে, মশাম্নু নুংশিংনা হুমদেকপা লৎগী মতৌগুম্না লৈমাইদা তুখি (শ্রীভা, ১০/৬০ আঃ), হাঈবদি কাণ্ড প্রেম (মবুংঙোনি হাঈনা নীংবগী নুংশিবা) অহু ইকোম-কোম্নে চেংত্রে। অচেৎপা প্রেমগা লোঈননা কৃষ্ণগী সেবা তৌজনীংলম্বহু লাই-নি (ঐশ্বর্য্যানি) খল্লুবদা অচেৎপা অহু মাঙত্রে। মতম অহুদা থরাই—হকচাং হৈজিন্দুনা নীংতম্না সেবা তৌনীংলম্বা অহুমু তুংঙইনখরে। মরম অহুনা ভক্তগী পূক্কিংগী মতুং ইন্না শ্রীকৃষ্ণসু প্রেম ভক্তনা শ্রীকৃষ্ণবু হঙ্গোইরপ ওইনা, বিরপ ওইনা নীংলগা মতৌ অহুগা মান্না মাইকৈ

ঐশ্বর্য্যজ্ঞানে বিধি—ভজন করিয়া ।
বৈকুণ্ঠেতে যায় চতুর্ব্বিধ মুক্তি পায়্যা ॥১৫

অর্থ :—

লাই—নি হাঙ্গৈনা খন্দুনা বিধি—ভজন তৌবদা ।
মুক্তি মখল মরি ফংঙৌ চংলি বৈকুণ্ঠদা ॥১৫

গৌর-কৃপা-টীকা

অমারোমদসু প্রেম সেবা অঙদগী ফবা নুঙাইবা অদু শ্রীকৃষ্ণগী হুঙ্গোইরগ তৌই, নুংঙাইবা নপুং ফানা ফংবা ঙমদে ।

১৫। লাই-নি (ঐশ্বর্য্যনি) হাঙ্গৈনা খন্দুনা বিধি-ভক্তিনা নীংলিবা (ভজন তৌরিবা) মখোঙ্গৈশিং অদুগী লাইনীং অদুদি অবেম্না ওইরবরা ? পাওখুম—ওইদে, মখোযগী ভজন অবেম্না ওইদে ব্রজগী ভাবতা মখোঙ্গৈনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফবা ঙমদে হাঙ্গৈবতনি , সালোক্যন-চিংবা মুক্তি মখল মরিগী মমুংদা মুক্তি অমদি ফংদুনা বৈকুণ্ঠদা চৎপা ঙম্মী, মখোঙ্গৈগী লাইনীং মওং অদু ঐশ্বর্যগা যান্ননা নীংঙি হাঙ্গৈদুনা ঐশ্বর্য্যনা নম্না লৈবা মফম বৈকুণ্ঠ-লোমদা চংলী ।” অহন ওইবগা লাই নাংগনি হাঙ্গৈনা খল্লিবা মখেদি বৈধি-ভক্তিদা লৈরিবা কৌই । বৈষ্ণবশিংনা মাসি চৎনদে ।

বিধি ভজন—বিধিমার্গগী ভজন । বিধিমার্গগী ভজন্দা ভগবানগী মাবগ্যগী (অথোংপগী) ভাব অথোইবা ফংবা ঙমদে, অংবগা মগুণগী অথোইবা ভবতি উবা ফঙি । “ঐশ্ব-র্য্যজ্ঞানযুক্তং স্যাদবিধিমার্গানুস বিনাম । ভ, র, সি, ১।৪ ১০ ॥ মগম অহুন, বিধি মার্গগা ভজন্দা ঐশ্বর্য্যনা নপুংফানা লবা বৈকুণ্ঠগী সার্ষ্টিনচিবা মুক্তি মখল মরি ফংঙৌ । “মাহা-ত্ম্যজ্ঞানযুক্তস্তু সুদৃঢ়ং সর্ব্বতোধিক । স্নেহে ভক্তিবিতি প্রোক্তস্তয়া সার্ষ্ট্যাদি নান্যথা । ভ, র, সি. ১।৪॥ কনাগুম্না অশেবা ভক্ত বৈষ্ণব অমনা কুপ তৌবিরিবদি বিধি মার্গগী ভজনসু ঐশ্বর্য্যজ্ঞান মাডখিদুনা (তৌবা ভগনি হাঙ্গৈনা খঙহনবা অদু তোকখিদুনা) শুদ্ধাভক্তিগী কৃপা ফংঙৌ । বৃহদ ভাগবতামৃত কৌবা লইরিক্তা উবা ফঙী, শ্রীনারদনা গোপকুমরবা হাঙ্গৈরি—“নংনা লইনি হাঙ্গৈনা খঙহন্দুনা (ঐশ্বর্য জ্ঞানা) ভক্তিগা লোইননিবা মরম্না বৈকুণ্ঠ অসিদা থুঙংর । বৈকুণ্ঠ অসিদা ম্রাম্না থুপল্লবা শেংল্লবা ব্রজবাসীশিংগা অংশংবা প্রেমতনা ফংবা, পুক্তিং পুম্নমদপু হুবিবা শ্রীকৃষ্ণবু কবম্না ফগনি ? ভগবানগী মফমদা হুঙ্গোইবা লৈতনা ইমু-মমুগী ভাবতা যম্না নুংশিবা ভয়গা নুংশিবা অদুনা পাইবৈ ওইতনা হবুংতা মাখু ফ [illegible] তান বংতা [illegible] নগ পার মহাঙ্গৈ [illegible] অসি ঐশ্বর্য্য না

সাষ্টি সারূপ্য, আর সামীপ্য সালোক্য ।
সাযুজ্য না লয় ভক্ত যাতে ব্রহ্ম ঐক্য ।১৬

অর্থ :—

সাষ্টি'জা, সারূপা, সামীপ্য, সালোকা মরি ।
সাযুজ্য ব্রহ্মগা তিনবা ভক্তনা লৌদরি ।।১৬

গৌর-কৃপা টীকা

লম্মি (তৌ ভস্বগী লম্মি), মবম অতনা তৌবা ভমগে হাঙ্গীনা নীংবা ভক্তশিংগী থুং ফমদি বৈকুণ্ঠনি । পরব্যোমদা মশি, নাইদবা কৌটা ভগবৎ মশকা ধাম (মফম) লৈ. মশক খুদিমক্কা-ধাম অতুবু বৈকুণ্ঠ কৌই, বিধিমার্গনা মান। পামজবা মতু ইন্না না জবদা পামজবিবা মশক অতুগী লৈফম (ধাম) বৈকুণ্ঠদা নাংজবা মতুংইন্না মুক্তি মথল মরিগী মমুংদা অমা ফংভা ।

মুক্তি মথল মবিনি সাষ্টি সারূপ্য, সামীপ্য অমসু সালোক্য মরি অসিনি । বিধিমার্গগী ভক্তনা পানা পামজনা মতু ইন্না মথল মবি অসিগী মতু দা অমা ফবা ভম্মা ।

১৬। সাষ্টি পরব্যোমদা ভগবৎক মশক লহ যাম্না লৈ, মখোয অতুগী মমু দা লাই অমবু ভক্ত অতনা ম জবদা সিন্ধ ওইববপা মতু দা ম জবদা লাই অতুগী পানদা লাই অতুগী লোইনবশিংগা মান্ননা লৌবাভন্না (ঐশ্বর্য্য ফঙ্ভি, মলৌ অসুম তৌনা ফবা মুক্তিবু সাষ্টি মুক্তি ফবা কৌই । (যাম্না পিকথবা ভাব অসিনা অচৌবগী মশক ওইবা ঈশ্বরগা মান্ননা তৌ-ভবা (ঐশ্বর্য্য) ওইবা ভ দ. ইবু ভৌ মহাক্কা চানবিবগা নাগী লে ইনবশিংগা মান্নন. তৌ-ভন্না ফ ইল্লা । শ্রীবৃহদ্ভাগবতামৃতগী ২।৪।-৯৯ শ্লোকা টীকাদা শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীনা ইরি -। ইবে পিন .ন বা ভাগা ঈশ্বরনা লৌরিবা গুণ্গা মান্নদে, লোইনবশিদ নবা ভা বাংলা, কবিগুন। মান্নবা থোক্রমবদি ভজনগী অভকপা বন খভনা ভম্লোইদবনি । নিত্যসিদ্ধ ওইববা লোইনবশিগী ঐশ্বর্য্যসু ভগবনগী ঐশ্বর্য্যদগী হ্রা লি ।)

সারূপ—শক মান্নবা ফবা, মানাম না নাংজবা অতুগী ম মদা (মফমদা) লৈঙ্গা। শক-মান্নবা ফবা হাঙ্গীবদি ম ব য়া নীজবা ম না পাদ্মে মনি পানবা ফবা, অতগ নৃসিংহ নাংজবা মীনা নৃসিংহগী মশা মানবা ফবা, অসিগুম্না অসিবু সারূপ্য মুক্তি ফবা কৌই ।

সামীপ্য—মনাও। লবা য বা, মান পানা নাংজবিবা ভগবৎকা মনা ড্রা লৈজনা ফংবা অতুবু সামীপ্য মুক্তি ফবা কৌই । সালোক্য—মফম অমতদা (পাম অমতদা) লবা য বা, মানা নিংজবিবা লাই অতুগী ম মদা লৈজবা ফংবা অতুবু সালোক্য মুক্তি ফবা

গৌর-কৃপা টীকা

কৌই। মী অতুগী থম্মোইদা শ্রীকৃষ্ণবু খজিক্ত, নু শিবা ওম্নবদি ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ (মুক্তি) মবি অসি নাপীদৌনা খল্লা। (হ, ভ, বসাম ৩সিন্ধু বিন্দু -২)। জ্ঞনগী লম্বিতদা চংখ্রবা মীশিংনা ফ দে মুক্তি ফংঙী। অম্বরীষ নিংথৌনচি বা ভক্তশিংনা মোক্ষ পামখিদে। (অম্বরীষ চরিতা ৪২)। জ্ঞানগী লম্বীদা চংপা মা অসিবু অবিদ্যা মায়ানা কুপ্পা কৌই। প্রেম নত্তনদি বসবাজ শ্রীকৃষ্ণবু কনাস্থ ফংবা ওমদে। সালোক্যনচিংবা মুক্তি মথল মম্নি অসিনওবা অমুক মথল জাৎ অমগী মুক্তি অনা লৈবি মাতুবু সযুজ্য-মুক্তি কৌই, মসি কয়ন তৌই হাঙ্গবদা মী অতুনা নীংজবিবা লহ [illegible] তিনাখিৎনা মশক আগ্গা ওইখিবনি (মৈ মনু দা য়োং থম্লবা অতু মৈদোনা [illegible] অতং[illegible]নি) নীংজবিবা পোংশক অতুগা থেন্নবা ইলৈ লৈতনা মশক চন মা[illegible] [illegible] ডমদে, মবমদি জাবগী মশক অসিনা বন্ধা অমদি ঈশ্বর লৈইন ডনা[illegible] [illegible] মক্তি অসি অমুক মথল অনিথেক্লা থাববি, মতুদি, বন্ধ—সাযুজ্য [illegible] ঈশ্বর সা[illegible], মুক্তি লৈতবা বন্ধগা সাযুজ্য ফংবা মথোয় অতু বন্ধ -সাযুজ্য-মুক্তি ফংবা কৌই, অগগা ভগবানগী কবিংগুম্বা মশক অনগা (নারায়ণ নুমি হনচবা মশক অনগা) [illegible] অবু ঈশ্বর—সাযুজ্য—মুক্তি ফংবা কৌই ভগবানদি নুংঙাইবা মশক্লনা [illegible] অশ অমত্থ নু ঙাইবগী মশক [illegible], বন্ধস্থ নু ঙাইবা মশাক। [illegible] খবনা বন্ধা আদি ঈশ্বরগা নুংঙাইবা অতুদা মুন্দুনা লৈ। মনা য়োং [illegible] খুদিদা চংনা লৈবগা সাযুজ্য ফংলবা জাবশিংদস্থ নু ঙাইবনা চংনা লৈ, নু ঙাইবনা চংনা লবনা মশম অসিবু বন্ধ ফংলবা হায়বনা খঙনে। সিদ্ধ ফংলবা [illegible] আম অমত [illegible] ইরুনা [illegible] মপুক্লিদা অমুক [illegible] বাখল অনা খনবা লগে [illegible] সব তৌবা হে নহাযনা মথোয়গী পুক্লিদা খননা [illegible] সেবা তৌবা তাববদি মশা [illegible] মনিংথা [illegible] অতুনা ভক্তশিংনা সাযুজ্য মুক্তি অসি [illegible] ভগবানা মখ[illegible] পাবিগে [illegible] মথোযনা লৌজদে মবমদি, ভগবান্দা সা[illegible] নিংবা [illegible] অসি [illegible] হাঙ্গতন [illegible]। তিনবা—ব্রহ্মগা মশক অমত্ত ওইনা লৈখিব। [illegible] সাযুজ্য মুক্তিনা বন্ধগা অমা ওইনা তিনবা যাদে। সেবা পামজবা ভক্তশিংনা সেবা সেবারে নদা চংজবা য়বা মুক্তি অতুদা মপানদৈ নুংঙাইবা ফংলবা মুক্তি, পশুন পুভিবুদি পামজদে। সেবা যাওদবা মুক্তি অমত্তা ভক্তনা লৌবা লৈতে।

যুগধর্ম্ম প্রবর্ত্তাইমু নামসঙ্কীর্ত্তন।
চারি ভাব-ভক্তি দিয়া নাচাইমু ভুবন॥১৭

অর্থ :—

যুগধর্ম্ম ওইহনগনি নাম সঙ্কীর্ত্তন্না।
জীববু জগোই শাহনগনি ভক্তি মরিনা॥১৭

গৌর-কৃপা টীকা

১৭। মতম কুইনা প্রেমভক্তি পীরক্তবনা জগত্তা লেম্লিবা জীবশিং মমুংদা প্রেম ভক্তিগী ওা-ৈতনবা পীপ্পন স্ক্রনাশি হেনগংলকপা উহুনা অমসুং প্রেমভক্তি নত্তনদি জীবগী অবেপ্পা ফংনবগী উপায লৈতে হাঙ্গনা নীংহুনা, প্রেমভক্তি দান তৌগে হাঙ্গবগীদমক শ্রীকৃষ্ণন ব্রশ.ক মহাক্র জগত অবতীর্ণ ওইরগা যুগাবতারবনা কলি যুগকী ধর্ম্মদি নাম সঙ্কীর্ত্তন্না ওইহনগনি অমসু মশামবা দস্য, সখ্যনচিবা ভাব মরিগী ভক্তি তাকপীহুনা জীবব্রু প্রেম্না মম্নাই কাহুনা জগোই শাহনগনি। যুগ—সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর অমসুং কলি যুগ মম্নিনি।

ধর্ম্ম—ধৃ—ধাতুগী কর্ত্তৃবাচ্য অমসুং করণ বাচ্যদা মন প্রত্যয় তৌবগা ধর্ম্ম-শব্দ থোকই, ধৃ—ধাতুগী অর্থদি পাঙ্গবা (ধারণ না নম্না) হাঙ্গবনি। কর্ত্তৃবাচ্যগী অর্থ—জীববু মাগী হৌবকফম মশক্তা পাঙ্গহুনা থম্বা অতুবু ধর্ম্ম কাই, জীবনা অরেপ্পা পাঙ্গগদবদি প্রেম ভক্তিনি, অতুনা প্রেম-ভক্তিনা সাধ্য ধর্ম্ম নি। করণ বাচ্যগী অর্থদনা—জীববু মশাগী মশক শাওবা ওনহল্লিবা অতুবু ধর্ম্ম কৌই, ধর্ম্ম অসিবু সাধন-ধর্ম্ম কৌই, সাধন-ধর্ম্ম অসিনা জীবনা সাধ্য-ধর্ম্ম প্রেম ভক্তি ফংবা ঙমই, সাধন-ভক্তিনা সাধন-ধর্ম্ম অসি ওই। যুগধর্ম্ম—যুগ যুগকা ধর্ম্ম। যুগ অমমমগী সাধন ধর্ম্ম অসি অমমম্নি, ইমান-মাম্নদে। সত্যযুগকা সাধন ধর্ম্মনা ধ্যান্না ওই, ত্রেতা যুগকা সাধন ধর্ম্মনা যজ্ঞনি, দ্বাপর যুগ কীনা সেব (পরিচর্য্যা) নি অমসুং কলিযুগকা—সাধন ধর্ম্মনা সঙ্কীর্ত্তন্নি। "কৃতে যদ্ধ্যায়তো বিষ্ণুং ত্রেতায়াং যজতো মখৈঃ। দ্বাপরে পরিচর্য্যায়াং কলৌ তদ্ধরিকীর্ত্তনাৎ॥ শ্রীভা ১২।৩। পযার অসিনা হাঙ্গদিনা অসিদি কলি যুগকী সাধন ধর্ম্ম নি, মরমদি, কলি যুগ চংলকপদা শ্রীকৃষ্ণ মশানা নবি তোগদগে হাঙ্গবতু নহাক্লা বাখল তৌই।

নাম সঙ্কীর্ত্তন—শ্রীহরিনাম সঙ্কীর্ত্তন, মাসি কলিযুগকী সাধন ধর্ম্মনি। "হরের্নাম হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলম্। কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা॥ বৃহন্নারদীয় বচন। ৩৮। ১২৬।" (হরিনাম —হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। হরে রাম

গৌর-কৃপা টীকা

হরে রাম রাম রাম হরে হরে ।। (হরিনাম অসিগী গতিনি হাঙ্গীনা ইরম্রে ; রূপ, গুণ, লীলাগী গতিনি হাঙ্গীনা ইরম্রে । ওইহনগনি —(যুগাবতারনা) হৌদোকহনগনি । শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য পূর্ণতম ভগবাননি, যুগ ধর্ম হৌদোকপা অসি মাগী মথৌ নত্তে । "অতুগুম্বা চৈতন্যকৃষ্ণ পূর্ণ ভগবাননগী । যুগ ধর্ম শন্দোকপা মথৌ নত্তে মাগী ১।৪।৩৩।" মহাক্তা, অংশ —যুগাবতারনা যুগ ধর্ম হৌদোকই । যুগ ধর্ম হৌদোকপা ভগ্মী মগী অংশনা ।।১।৩২০ ।।" স্বয়ং ভগবাননা জগৎ অসিদা অবতীর্ণ ওইবা মতমদা অবতার পুম্নমক (যুগাবতারশিংসু) মাগা লোইননা মাগী শ্রীবিগ্রহদা (শ্রীমূর্তিদা) লাক্লুনা তিরে, স্বয়ং ভগবানগী শ্রীবিগ্রহদা লৈনা-লৈনা অবতারশিং অতুনা মাগী মাগী মথৌ পাঙথোকই । শ্রীকৃষ্ণনা বাশকখি, কলি যুগতা জগৎতা অবতীর্ণ তৌগে হাঙ্গীনা, মতম অতুদা মহাক্তা শ্রীবিগ্রহদা লৈরিবা যুগাবতারশিংদা ইকাম্নুনা কলি যুগকী সাধন ধর্ম শ্রীনাম সঙ্কীর্তন হৌদোকহনগনি । অতোপ অতোপ্পা কলিদসু যুগাবতারনা নাম সঙ্কীর্তন শন্দোকই তৌইগুম্বসুং হন্দকী কলিযুগ অসিদদি শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীচৈতন্য ওইনা অবতীর্ণ ওইহনা মশা শ্রীবিগ্রহদা লৈরিবা যুগাবতারনা নাম সঙ্কীর্তন শন্দোকই, অতুনা হৌজিক্কী কলিগী নাম সঙ্কীর্তনদা অতকপা গুণ অমা লৈ । মিংশন থাউমে মনুংদা লৈ লৈ লৈরে অতু চৈতন্যবস্তু নিংশেন অতুগী মচু নোত্নুনা মপান্দা চলা, অতুংমতুনা প্রেমগী মশা ওইবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী শ্রীবিগ্রহদা লৈরিবা যুগাবতারনা হৌদোকপা নাম সঙ্কীর্তনসু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী প্রেমনা চেংহল্লগা মপান্দা শন্দোবকই ।

স্বয়ং ভগবাননা অবতার লৌবা মতমদা যুগাবতারশিংনা খাঙ্গীবা বিগ্রহ অতু চেতনা তোভান্না লেংহৌবা ভনদে, অতুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা জগৎতা লাকপা অসিদা অবতারশিংনা মাগী মশাদা চোংতুনা (লৈতুনা মাগী মাগী মথৌ পাঙ থাকই হাঙ্গীতুনা নাম সঙ্কীর্তনসু প্রেমগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী শ্রীমুখদগী থোরকই, মর অতুনা নাম সঙ্কীর্তন অতু প্রেমগা তিন্নখিবনা অমৃতদগীসু হেন্না থুমখিবনি । অতুগা শক্তি, পুম্নমক্না শিল্লবা শ্রীবদন চৈতন্যগী শ্রীমুখ-দগী (মচিন্দগী) থোরকই হাঙ্গীতুনা শ্রীহরিনামসু শক্তি পুম্নমক্না শিন্দুনা শন্দোরকই । অতোপ-অতোপ্পা কলিযুগকী নাম সঙ্কীর্তনদি অতু তৌনা লেপ্না লৈতেদে, থুংদে অমসুং শক্তি পুম্নমক্না শিন্দে । শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী শ্রীমুখদগী থোরকই হাঙ্গীতুনা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যবু অসুম ওইবা অতকপা মশক ওইবা নাম সঙ্কীর্তন অসিগী থোরকফম হাঙ্গীনা, খাঙ্গেশংবনক সাধারণ নাম সঙ্কীর্তনগী মপু যুগাবতার ওইবরে, পোৎলাংলবা শক্তি পুম্নমক্না লৈতেংলবা, শ্রীকৃষ্ণবু খুতম চনবা ভম্বা, যাম্না থুম্নবা হন্দকী নাম সঙ্কীর্তনগী হৌদোকপা মপুদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যমক্তি, অতৈ কনা অমত্তা নত্তে ।

আপনি করিব ভক্তভাব অঙ্গীকারে।
আপনি আচরি ভক্তি শিখাইমু সভারে॥ ১৮
আপনি না কৈলে ধর্ম্ম শিখান না যায়।
এই ত সিদ্ধান্ত গীতা-ভগবতে গায়॥ ১৯

অর্থ

ইশামক্তা ভক্ত ভাব তেক্না মওইরগে।
ইশানা ভক্তি চত্তুনা খাইবু তম্বীরগে॥১৮
ধর্ম্ম তম্বীবা যারোই তৌত্রবদি ইশানা।
গীতা ভাগবতকা সিদ্ধান্তমক্তি মাসিনা॥১৯

গৌর-কৃপা টীকা

ভাব মরি—ব্রজগী দাস্য, সখ্য বাৎসল্য অমসুং মধুর ভাব মরি। ভক্তি—প্রেম ভক্তি; প্রেমভক্তি মখল মরিনি—দাস্য-প্রেম ভক্তি, সখ্য-প্রেমভক্তি, বাৎসল্য-প্রেমভক্তি অমসুং মধুর নত্রগা কান্তা-প্রেমভক্তি। মাগী মাগী মতিক চাবা য়েংদুনা কনাগুম্বদা দাস্য রতি, কনাগুম্বদনা সখ্য রতি, কনাগুম্বদনা বাৎসল্য-রতি অমসুং কনাগুম্বদনা কান্তা-রতিগী তুংইদুনা প্রেমভক্তি পীদুনা। জগোই শাহনগনি-প্রেমদা ভাওদুনা জগোই শাহনগনি। জীববু—জাব পুন্নমকপু, ভুবনবু। পম্বার অসিদা ভাব তাবা উম্মিবদি—মোক্ষ পীবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী অপাম্বা নত্তে, প্রেম ভক্তিদান তৌবনা মাগী অপাম্বনি। মাসিগী মরমদি প্রেমভক্তিসিনা জীবনা শ্রীকৃষ্ণগী লেপ্পনবগা মশক ওইবা সেবা ফংজবা ঙম্মী।

আলোচ্য বাহং ঃ—ধর্ম্ম কদাইবু কৌবগে? পাওথুন—থরাই পানবশিং ভাকপিবা অদুবু ধর্ম্ম কৌই। দ্বারকালীলা ১১৫৬ লামাই॥

১৮। শ্রীকৃষ্ণনা অমুকন্থ খল্লকই—নাম সঙ্কীর্ত্তন তৌরগ. অমা নাম সঙ্কীর্ত্তন অদুগা লোইননা করি করি তৌগা প্রেম ভক্তি শোক্কদগে হাঙ্গিবদু, ঐনা পাওতাক পীদুনা তাকপদগী হেন্দোকনা সাধক ভক্ত অমগী মতৌগুম্বা ইশামক্তা চংলগা জীববু তম্বীগনি।

ভক্ত ভাবতুসাধক ভক্তগী ভাব; সেবক্কী ভাব। জীবদি মহৌশানা কৃষ্ণদাসনি (কৃষ্ণগী মনাইনি); মরম অদুনা ভক্ত ভাব হাঙ্গিবদি ভাব থনবা অসি সাধক জীবগী মমি ফংবগুম্বনি। শ্রীকৃষ্ণগী মশক্তি খাইগী সেবা তৌফম (সেবা তৌফম) ওই মহাক্তি কনাগী সেবক নত্তে; মরম অদুনা ভক্ত ভাব লৈবসি মহাক্কী মরন নত্তে (অচুম্বা নত্তে); মরম অসিদগী ভক্ত ভাব লোইবা বা হাঙ্গিরবনি

চত্তুনা লিংখত্তুনা। ভক্তি—ভজন, ভুংশিনা নীংবা সাধন ভক্তি চত্তুনা তম্বীরগে তাকপীরগে।

১৯। শ্রীকৃষ্ণ মশানা ভক্ত ভাব তৌগনি হাঙ্গিবিবগী মরম উচ্চরি। মশানা ভক্ত অমা ওইদুনা তৌগদবা নিয়ম পূর্ব্বক অদু তৌদুনা, জীবদা উত্রবদি চুমগী চিন্না ভাংদুনা

তথাহি শ্রীগীতায়াম (৪/৮)

পরিত্রাণায় সাধুনাং বিনাশায় চ দুষ্কৃতাম্।
ধর্ম্ম সংস্থাপনার্থায় সম্ভবামি যুগে যুগে ॥ ৩॥

গৌর-কৃপা টীকা

ফোংদোকপনদি ভজন (সেবা) তঙ্গীবদা ভাব তাহনবা ব্লাগনি খুদো চ বোই, মবমদি, চিগা পাওবাক পীবা তাহনবতনদি অপংবা জীবনা চপচংনা ভজন (সেবা) গী লঙ্গীদা চ সিনবা চুম্রোই। চৌদ্রবদি—ইশামগ্না চংত্রবদি। ধর্ম্ম—সাধন ধর্ম্ম, শক্তি ধর্ম্ম।

পম্নাব অসিদা হাঙ্গীবির্লস গ্রন্থকাবনা হাঙ্গীবনি হাঙ্গীনা নংচ ধর্ম্ম লিংখংবে হাঙ্গীবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা যুগ যুগ খুদিংদা অবতীর্ণ ওংবগা জীবনা তৌরগাদবা চংলগদবা খোব্নম পুম্নমক অতু মশানা চ তুনা খত্তহল্লী, শ্রীমদ্ভাগবদ গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গীখিবা অতু গ্রন্থকাবনা মখাদা উচ্চরি।

শ্লো। ৩। অন্বয়। সাধুনা (সাধশব্) পবিত্রণ। (চাক হাঙ্গীবগীদমক) দুষ্কৃতাং (ফত্তবা থবক চৌবশিংবু) বিনাশায়—(মাঙহন্নবগীদমক) চ (অমসুং) ধর্ম্মসংস্থাপনার্থায় (ধর্ম্ম লিখংনবগীদমক) যুগে যুগে (যুগ যগ খুদি দা) সম্ভবামি (অবতীর্ণ ওই)।

অনুবাদ। শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গীখি—"সাবুশিংবু চাক হাঙ্গীবগীদমক অমসুং ফত্তবা থবক চৌবশিংবু মাংহন্নবগীদমক যুগ যুগ খুদিংদা ঐনা অবতীর্ণ ওই।" ৩।

শ্রীকৃষ্ণনা যুগ খুদিংদা করি এবমগীদমক অবতাব ওইবগে হাঙ্গীবতু শ্লোক অসিদা ফোং-দোকি শ্লোক অসি অর্জ্জুনগী মফমদা স্বযং শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গীবনি।

সাধুনাং—শ্রীকৃষ্ণদা পুরি, লুম্নবা ভক্তশিংবু পবিত্রাণায চাকে হাঙ্গীবনব, শ্রীকৃষ্ণদা পুরি লুম্নবা ভক্তশিংনা শ্রীকৃষ্ণ উননীংবগীদমক খোবাংবা (উংবগা) চপু অসুম অসুম বনখংলকপুনা মুংবংনবগী মতমদা শ্রীমুর্ত্তি দর্শন পীড়না মখোইগী মুখনবা অবাব অতু দোকহনগে (চাকে) হাঙ্গীবনীদমক অমসুং ভক্তবু যেংথৌব হিংচাবশিংনা ওৎলনবা অতুদগী চাকে হাঙ্গীবগীদমক। দুষ্কৃতাং—ফত্তবশিংবু, ব্লাবণ, কংস, কেশী অসিনচিবা হিংচাবশিনা ভক্তশিংবু অব্লাবা পীড়নশা লৈ অমসুং মখোইশিং অসি ভগবান নত্তনা অতৈ বনাগুম্বা অমতনা হাংপা ঙমদে, অসুম ওইবা ফত্তবা মীশিং অসিবু। বিনাশায়—মাঙহন্নবগীদমক। ধর্ম্ম—সংস্থাপনার্থায ধর্ম্ম লিখংনবগীদমক, শ্রীকৃষ্ণদা ধ্যান তৌবা (সত্যযুগদা), যজ্ঞ (ত্রেতাদা), পবিচর্য্যা সেবা তৌবা (দ্বাপবদা) অমসুং সঙ্কীর্ত্তন তৌবা (কলিদা) ধর্ম্ম অসি, ভগবান নত্তনা অতৈ কনা অমত্তনা লিংখংপা ঙমদে, অতুনা ধর্ম্ম অসি ফজনা মপু ফানা লিংখংকে হাঙ্গীবগীদমক।

তত্রৈব (৩।২৪)

উৎসীদেয়ুরিমে লোকা ন কুর্য্যাং কর্ম্ম চেদহম।
সঙ্করস্য চ কর্ত্তা স্যামুপহন্যামিমাঃ প্রজাঃ ॥৪॥

গৌর-কৃপা টীকা

পুবি চেং শিংনা ভগবৎ উননী বগী অরাবা অমসুং ভক্তগী য়েক্রবা হিংচাবা-শিনা লৈনবনা রাবা অসিবু কোকহনগে হ ঈবগীদমক, মী অতোপ্পা অমনা হাৎচমদ্রবা হি চাব শ বু ওনগ হাঈবগীদমক অমসুং যুগ স্মনচিংবা হৌদোক্কে হাঈনগীদমক শ্রীকৃষ্ণন যুং খুদিদা (যুগ বতার ওইনা) ওমসুং নম্ল খুদিংদা (স্বয়ং ওইনা তানুকুং) মাযাগী জগৎ অসিদা অবতীর্ণ ওই।

মতাং অসিদা রাহ খবা নবে, মাতুদি—ভগবানদি চ মথাই নাইদে হাঈবগা ভক্তশি বুদ ডাকপিনা তুনা ভকনী য়ুব শ হিংচাবদি য় হ ঈন। খনবনিনা মিংচংশিখাই নাহবে হাঈবগী প্রমাণ ওইবোইদা। পাশ্চুম নত অদা হি চাবাশিংগী মফমদা ঙুংশিংদে হ ঈনা উ নি, থ শবদ লুশি দন ত্ত চ বি তুম ওইবমে, ভক্তগী বেরনশিংব দণ্ড তৌনননদক (কস্তুশ (অমক) নচিংব শি নাইদনা থমি, দণ্ডি তোফম অসিদা হি চাবশি অনি দনি তৌতুনা থম্লবদ ভগ নবু নচংনখাই নাহবে হাঈনা খনবা যান হাংলুবিবা তু ডি এবিবি, ভগবানগী খুত্তা শিংত্রবা পূম্নমক সি ক ফ হনবা ডা কনি মব না ফওবা থনক তৌকবশিং অহুগীস্থ মাখাঙব স সার সিদা রানা ল ব্রুগদন (ন গদবা) অচু লাম্নবিদে, বম তুনা হন মিংদদি হি চাবশিগী মফমদি চ নাব হত হাঈনা নীওর্ধ য়াই, মাতু শাঙ্গশে বদি চানবিনা ওইগ্মী. ফত্তবা চা অনন মথাল তবা অভা অমদা হুবিবদি ম. তুনা ফত্তনা চা অতুবু খু ংতুনা চিংশিল্লক্কনা মনাক্তা থম্মী, মাবু হক ধ দাক্কে, মাতা অসি ফ বা চা হুনী ফাদা নমানা মুংশিবা উংপনি।

শ্লোক ৪ অন্বয়। অহ (ঐ— শ্রীকৃষ্ণ) চেং (নদি) কর্ম্ম (থবক) নকুর্য্যাং (তৌদ্রবা) তদা (মাতু ওইবনদি) ইমে (পূম্নমক অসি) লোকাঃ (মী) উৎসীদেয়ুঃ (মাঙলগনি) চ (অমসুং) অহং (ঐ) সঙ্করস্য (জাতি য়ানশিনবা—শাগে মকম খণ্ডবা) কর্ত্তা স্যাম (মপু ওইগনি), ইমাঃ (অসুম ওইনা) প্রজাঃ 'প্রজা পূম্নমকপু) উপহন্যাম (মোৎহনবা তাগ)।

অনুবাদ। শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হাঈখি—'ঐনা থবক তৌতুনা উংলমদ্রবদি (ঐগী হ তা নমতুনা কর্ম্ম-কর্ম্মনচিংবা তৌবরাবাই) মীপূম্নমক অসি মাংহনা লৈখা তারগনি, মখোঈনা

গৌর-কৃপা টীকা

লৈখা তাগ্রবদি মখোঙীগী মনুংদা অফ-ফংতগী বিচার পাপ-পুণ্য, ধর্ম্ম-অধর্ম্মগী বিচার, মপুবোইবা লৈবা নুপীনি—অতোপ্পা নাপানি হাঙীবগী বিচার লৈবরোই, মখল অতুনা মীশিংগী মবক্তা বর্ণসঙ্কর হাঙীবদি শাগৈ মশক খঙদবা মপা মশক খঙদবা ওংবগনি, অদুনা ঐনা থবক তৌদ্রুনা তাক্রমদবগীদমক বর্ণ সঙ্কবগী মবোক ঐহোন্দা তাবকদৌরি অমসু প্রজাশিংবু পাপ্পা থাদবা হাঙীবগু মী পুম্নমকা ঐহোন্দা গোক্লিনগাদৌরে।২

বর্ণ সঙ্কর—ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, অমসু শূদ্র বর্ণ মবি (জাৎ মরি) সঙ্কর—গী অর্থদি যানশিন্নখিবা। বা মান্নদবা (জাতি তিন্নদবা) হাঙীবদি ব্রাহ্মণগ ক্ষত্রিয়গা লোন-লৈনখিবদা পোকপা অঙা অদু বর্ণ-সঙ্কর কোই। জাত অমগী ওক্রবীনুপী অমনা অতোপ্পা জাৎ অমগী নুপী লৈরবদা ওবদা পোকপা মচাদু বর্ণসঙ্কর কোই

ভাবনা মায়াগী জগৎ অসিদা অবতার ওইরগা কবি মবমণীদমক থবক তৌরকলো হাঙবদু শোক অসিদা তাক্রি। মহৌশানা অফবা মীশিংনা তৌবগা অদু অতোপ-পা… শিনবু মতুগী মতৌ তন্নে। মরম অদুনা ভগবাননা জগত্তা অবতীর্ণ ওইবগা বরিগুপ্পা থবক অমগা তৌরমদ্রবদি, অতোপ্পা মশিংসু মাদুগী মাখৌ তমদুনা ধর্ম্ম কর্ম্ম অমগা তৌবরোই। মী পুম্নমক অসিনা ধর্ম্ম কর্ম্ম অমগা তৌদ্রবদি, মখোঙীগী মনুংদা ধর্ম্ম-অধর্ম্মগী পাপ-পুণ্য বিচার লৈবরোই, নুপাশিংনা অতোপ্পা নাপা অমসুং নপাশিংনা অতোপ্পা নুপী সঙ্গ তৌরুবগা পাপ চংলক্কনি হাঙীবগী জ্ঞানসু লৈবরোই। ধর্ম্ম-কর্ম্ম লানথপা নিয়ম অমগী মখাপোন্না থবক তৌবা বংপদগী সমাজগী মনুংদা নপা মশক খঙদবা অঙাং ভাক্তা পোক্লরগনি, বর্ণসঙ্কর ওইরবগনি, পাপকা থবক না পুম্নমক লুপ্তনা থমোই মোংলগনি ভগবান্না অবতার তৌরগা থবক মতৌ। তাকপায়রবদি জীবনা লেখা তাবা বর্ণসঙ্কর থোকপা অমসু জীবনা থমোই শেংদবা, ফত্তবা ওইহবক্কদৌবা পুম্নমক অসিগী মরুদি ভগবানগী মথক্তা তরক্কদৌরি। মরম অদুনা, ভুক্কচববা থবক পুম্নমক অসি তৌবক্কনবগীদমক, ভগবাননা শানা ধর্ম্ম-কর্ম্ম লিংখৎলম্মী, মহাক্না লিংখৎলম্লিবা থবক পুম্নমক অসিদি অতোপ্পা মীশিংনা মতৌ-তম্নবগীদমনি।

জীবনা তৌবা থবকা ভগবদবতারনা তৌবা থবকা মান্নদে, খেন্নে। জীবনা মায়াগী মখাপোল্লি; মায়াদা ইন্দিন্দুনা থবক তৌহল্লী, মরম অদুনা জীবগী থবক অসি মযাগী

(তথাহি ভা, ৬।২ ৪)

যদ্ যদাচরতি শ্রেয়ানিতরস্তত্তদীহতে।
স যৎ প্রমাণং কুরুতে লোকস্তদনুবর্ত্ততে ॥৫॥

গৌর-কৃপা টীকা

থবরি, অতুনা পুৱনন্ি ৭র. ন্ট। ৭ীগুগুপস্নং ভাব ন ৭ি তৌবনি; মাম্বা৭ামাবু পুনবা থুতুম চনবা মেদে, ।শকনস্থ ভ.দে, ৭াবাঃ তেৈ৭া নবক্তি মাযাগী থবন নব্বে, মাগী স্বরূপ শক্তিগী থবনি জাবৰু ৬সীগে হ ঈ৭ণী৭নক ৭হাক্লা থবক ে৭হ, মাস্নিত্ত মাগী ে৭াল৷ নবা অন্নি ভ।৭ঃ জ।৭ে ৭৭ণ।েৌব।। মীগী নক্সা গীদনক্ত ম গী মতৌ৭ম্বা নবক ে৭হ হাঈবনিগী প্রমাণ্ডি শ্রান ৭াসি

শ্লো ৫। অনয ।৭ধান (৬থাইনা, অফবা ৭া) ৭ ৭ (৭ ৱ ৭ ড়) আর ৭ (৬) ইতব০ (৬তোদ্ন ৭ী, নীচ৭) ৭০ ৬৭ (নাহ ৭ ৭) ঈহ৭ (৬ননবা হোংৈন), স ৭াতুন ৭ইনা অথোহবা ৭ অঢ়) যৎ (মাত্তবু) প্রনা নক ৭ (৭নাম্ন হাঈনা যা৭ন) ে৭ কঃ (৭ চম ৭ৎ (মাত্তু) অন্নুন৬৭ (তু ইনী, ৭া৭ী তম্বা)

অনুবাদ। শ্রীনিবৃদ ৭ শ না যমদ ৭শি দা হাঈখি— অনে ইবা মীনা তৌখিবা থবকশিং অদ্ভ, অতোৱা নীচরা ৭ভুগী মাত্তী ৬ম্নবা হোংৈন অ.থাইন ৭ানা প্রমাণ চাত্র হাঈতুনা যাম্নবা থনক অদু, অকোম্বা সাবাবণগী মীস্থ মাতগী মতুং ইন্না। ৫।

শ্লোক অসিগী মন্ত্র গী অর্থাদ—সাবাবণগী মীশি না অফনা অফাওবা মীশিংগী অফবা থবক তৌরস্নি অদ্বগী মতৌম্বা নবন অতনা ভগবান্না যুগাবতাব ৭ইনা নত্রগা স্বয়ং ওইনা অবতীর্ণ ৭ইবা মতমদা তুংদা হৌবক্নদৌবিবা মীশিংনা ৬মজবরগা মঙ্গল যাইফ-মুঙাই ফ ননবগীদনক থবক যাম্না েৌবম্বী। জীব-না ভগবানগী তু ইনবা হাঈবসি মহৌশানি: মবম অতুনা মহাক রাশবখি কলি যুগ ৬ অবতীর্ণ তৌবগা সাবক ভক্তগী মতৌগুম্না নহাকস্থ ভজন (সেবা) েৌগনি নাতুনা সাধাবণগী মীনা ভজনগী মবমদা ফিদম লৌননবগীদমক্সি।

যুগধর্ম্মপ্রবর্ত্তন হয় অংশ হৈতে।
আমা বিনা অন্যে নারে ব্রজপ্রেম দিতে॥২০

অর্থ

যুগ ধর্ম্ম হৌদোকপা ঙম্মী ঐগী অংশনা।
ব্রজ প্রেমদি পীবা ঙমদে অতৈনা ঐ নত্তনা॥২০

তথাহি লঘুভাগবতামৃতে পূর্ব্ব খণ্ডে (৫।৩৭)

সন্ত্ববতাবা বহবঃ পুষ্করনাভস্য সর্ব্বতোভদ্রাঃ।
কৃষ্ণাদন্যঃ কো বা লতাস্বপি প্রেমদো ভবতি॥৬

গৌর-কৃপা টীকা

হনা যাবা রাক্ষম অমা লাৱে, নাম সঙ্কীর্ত্তন শন্দোকপা। প্রেমদান তৌ থেরং অন অসিনু যুগাবতারনা পূন্না পাংথোকপা ঙমদা? ঙম্মা থোক্ৰবদি স্বয়ং ভগবান অবতীর্ণ ওইবী কবি কাঙ্গনা লৈবগে? অসুম হাঙ্গনা হৌরবগা য়াহ হাঙ্গনা চি নতুনা শ্রীকৃষ্ণনা হাইরম - 'যুগাবতারনা থোবম অনিংক পূঃ ৌবা ংদে যুগাবত রদি ঐগী অংশনি যুগ ধর্ম্ম ওইং। নামসঙ্কীর্ত্তনদি হৌদাকপা শন্দোকপা ঙম্মু (ে াহংস্বস্তু) ব্রজ-প্রেমদি পীব ঙমদে অবমদি ঐ (শ্রীকৃষ্ণ) নত্তনা অতোপ্পা কনা অমতনা ব্রজপ্রেম পীবা ঙমদে, মবম ঙনা অবতীর্ণ শোঙ্গদনা তোগদবনি।

অংশনা অশ যুগাবতারনা যুগাবতার অসি স্বয় ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি। ঐ নত্তনা শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা। ব্রজপ্রেম-ঐশ্বর্য্যগী মনম ফাওবা নমদ্রবা অংংুং শাগী অপাম থংদোক্ৰবা ব্রজগী শুদ্ধমাধুর্য্যগী প্রেম। ব্রজগী দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসু মধুর-ভাব ম বগী তু হনবা প্রেম।

শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অং অতোপ্পা কনা অমতনা ভগবৎকী মশক ওইবা ব্রজ-প্রেম পীবা ঙমদে, মাদুগী প্রমাণ ওইনা মখাদা "সন্ত্ববতাবা" নচি বগী শ্লোক উচ্চবি।

শ্লো।৬। অন্বয়। [পুষ্করনাভস্য (পঙ্কজনাভস্য)] (স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী) সর্ব্বতঃ, (মখল মখা অযাম্বা) ভদ্রা (মঙ্গল পীবা) বহবঃ (যাম্মা) অবতাবাঃ (অবতার) সন্তু (লৈজসনু), [কিন্তু] (তৌইগুম্বসু) কৃষ্ণাৎ (শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা) অন্য (অতোপ্পা) কো বা (কনানা) লতাসু (উবাদা) অপি (ফাওবদসু) প্রেমদঃ (প্রেম পীবা) ভবতি (ওইবগে)?

গৌর-কৃপা টীকা

অনুবাদ। পদ্ম নাভ শ্রীকৃষ্ণগী মথল মথা অয়াম্বা মঙ্গল (মঙ্গোল) পীবা অবতার মযাম ময়াম লৈরি, লৈবগম্ব শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অতৈ অতোপ্পা কনানা উ-স্না উস্নী-স্নান্না ফাওবদা প্রেম দান তৌরিবগে ? (হাঙ্গৈবদি কনা অমতা তৌদে) ॥৬।

পুষ্কর নাভ পঙ্কজনাভ, পুষ্করগী অর্থদি মফম অসিদা পদ্ম (থম্বাল), থম্বালনা তমজনবগী মশক ওইনা ফজবা অমস্থং মনম নুংশীবা খোইদৌ লৈবা মহাক অদু পদ্মনাভ কৌই। স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণবু ফোংদোকী : মবমদি, মহাক্না অবতার পূম্নমকা মরুনি।

শ্লোক অসিগী মঙুংগী অরুবা ভাবতি অসিনি, স্বযং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী অবতার য়াম্না লৈ হাঙ্গৈবা চুপ্না, অবতার পূম্নমক অদুদি জাবদা মথল মথা অয়াম্বা মঙ্গল (মঙ্গোল) পীখিবদি ঙম্মী তৌইগুম্বস্থং স্বযং ভগবান শ্রীকৃষ্ণ নত্তনদি কনাগুম্বা অমনাব অমতা প্রেম পীবিবদি ঙমদে। শ্রীকৃষ্ণদি মীগী মফমদা প্রেম পীবিবতা নত্তনা উ, স্না, উস্না-স্নান্নী, শা, উচেক, তাল, কোংজেং ফাওবদা প্রেম পীবী ; শ্রীমদভাগবতগী মাসিগী প্রমাণ ফংঙী। শ্রীকৃষ্ণগী চাংদম্না চাই লৈত্রবা নিংথিজববা মশক উবদা শা, উচেক ফাওবা প্রেম ফাওদুনা মতু চুংলম্মী (ত্রৈলোক্য-সৌভগমিদঞ্চ নিরীক্ষ্য রূপং যদগো-দ্বিজ দ্রুম মৃগাঃ পুলকান্যবিভ্রন। (ভা, ১০ ২৯।৪০।)

হ্নাহং অমা লাকপা য়াবে, শ্রীরামচন্দ্রনা বোন্দা (বন) চংপা মতমদা মাগীদমক উ-শিংস্থ কপ্পম্মী হাঙ্গনা রামায়ণগী তাবা ফংঙী। মাসিনা থজনরিবদি শ্রীরামচন্দ্রগী মফমদা উ-নচিংবস্থ প্রেম পোল্লম্মী, ইবুংঙো মহাক্নস্থ উন চিংবদা প্রেম পীবিরম্মা : নত্রবদি উ-শিং অদুনা মাগীদমক কপ্লম্মোইদবনি, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণদনা প্রেম পীনা ঙম্মা, অতৈ অতোপ্প কনা অমতনা প্রেম পীবা ঙমদে, হাঙ্গৈবসি কয়ম্না য়াফম থোকপগে ? পাওখুম—শ্রীরামচন্দ্রগীদমক উ-নচিংবা কপ্পম্মা হাঙ্গৈবসি অচুম্বনি তৌইগুম্বস্থং মাদু ইবুংঙো মহাক্না বোন (বন) চংপা মতমদা মতম থম্না উনদবা লাবে হাঙ্গৈনা খন্নরবদা নুংশিদুনা কপ্পনি : অদুগা থোইদোকপদি শ্রীরামচন্দ্রগা লোইনদুনা পুন্না লৈরিঙগী মতমদদি উ-শিং অদু কপ্পা হাঙ্গৈবা উদে, তাদে। তৌইগুম্বস্থং শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা পুন্না লৈনিন্নরিঙৈগী মতমদদি হুমিৎ খুদিংগী শা, উচেক, উ, উস্নীগী মশাদা প্রেমগী খুদম উবা ফংঙী। মথক্তা ইরিবা টীকাদা য়াওবিবা ত্রৈলোক্য সৌভগ-মিদঞ্চনচিংবা শ্লোক্না প্রমাণি। শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা যুগাবতারনচিংবা ভগবৎকী স্বরূপ কনানস্থ ব্রজপ্রেম পীবা ঙমদে, মতুগী প্রমাণ শ্লোক অসিনি।

তাহাতে আপন ভক্তগণ করি সঙ্গে।
পৃথিবীতে অবতার করিমু নানা রঙ্গে ॥২১
এত ভাবি কালকালে প্রথম সন্ধ্যায়।
অবতীর্ণ হৈলা কৃষ্ণ আপনি নদীয়ায় ॥২২

অর্থ :

অদুনা ইশানা ভক্তশিংগা লোইনদুনা।
পৃথিবীদা অবতীর্ণ ওইনি লীলা পুদুনা ॥২১
অসি খন্দুনা কলিগী অহানবা সন্ধ্যাদা।
কৃষ্ণ মশানা অবতীর্ণ ওইবে নদীয়াদা ॥২২

গৌর-কৃপা টীকা

২১। প্রেম ভক্তি অসি জগতা তাকপীবগী দবকাবনি অমসুং শ্রীকৃষ্ণ মশানা মশাগী লাইনিংবা কনানসু তাকপীবা ঙম্লাই হাঙ্গীনা শ্রীকৃষ্ণনা নীংদুনা, মহাক্কী মশাগী-মশা, পন্নন প্রুনা (লাইনদুনা) অবতীর্ণ ওইবগা মখল-মখা অযাম্বা লীলা পাম্নগে অমসুং জগৎদা প্রেম ভক্তি পাংদোক্কে হাঙ্গীনা লেপ্লে।

তাদুনা—মবম অদুনা। স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণ মশানা অতোপ্পা অমনা ব্রজপ্রেম পীবা ঙমদে হাঙদুনা। ভক্তশিং- লোইনবশিং। অবতীর্ণ—গর্ভদা অবাবা লেহৌদনা পোকপা। লীলা পুদুনা—মখল মখা অযাম্বা লীলাগা লোইননা। পয়ার ১১—২১ দা "অনর্পিত" শ্লোকা "অনর্পিতচরীং চিরাৎ—স্বভক্তি শ্রিয়ম" পকক্কা মরী ওইবা অর্থ ফোংদোকচরে

পয়ার ১১—২১ দা শ্রীশ্রীগৌর অবতারগী অহানবা মরম পাংখ্রবে। মাসদা হাঙ্গিবিবদি দ্বাপর লীলানা অগ্রধান ওইরবগী মতুংদা শ্রীকৃষ্ণনা মপুক্কিদা বাখন তৌবা হৌরকই, "পৃথিবীদা প্রেম-ভক্তি পীবকবা মতম কুইরে, প্রেম-ভক্তি নত্তনসু জীবগী মবমদা অয়েপ্পা পোৎশক খঙবা ঙম্নবগী উপায় লৈতে; যুগাবতারনচিংবা অইনা অমত্তনা প্রেম ভক্তি পীবা ঙমদে, অদুনা যায়া থোজাল হৈবনা শ্রীকৃষ্ণ মশানা মরূপ মপাংখিবিক্কা লোযননা (গৌর ওইদুনা) পৃথিবীদা অবতীর্ণ তৌকনগে।' হাঙ্গীনা লেপ্প্রে

২২। মথক্কী বাখন অসি লেপ্লবা মতুংদা কলিগী অহানবা সন্ধ্যাদা মশামক্না গৌর ওইদুনা নবদ্বীপ্তা অবতীর্ণ তৌবে।

অসি খন্দুনা—মথক্কী পয়ার পৃন্নমক্তি খন্দুনা। কলিগী—কলিযুগকী। অহানবা সন্ধ্যাদা—কলিযুগ সন্ধ্যা হৌরকপদা যুগ খুদিংগী অহানবা মশিং অবেপ্পা কয়াগুকপু

গৌর-কৃপা টীকা

যুগ অদুগী সন্ধ্যা কৌই। কলিযুগগী অহানবা চহি ৩৬০০০রু (মীওইবগীদা) কলিগী সন্ধ্যা কৌই। সন্ধ্যা অসিগী অহানবা শকক্তা শ্রীমন মহাপ্রভু অবতীর্ণ তৌখি কৃষ্ণ মশানা—স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণ মশানা গৌর ওইদুনা। শ্রীকৃষ্ণগী অবতার কনাগুম্বা অমনা গৌর ওইবরা নত্তে, শ্রীকৃষ্ণ মশামক্তা গৌর ওইদুনা অবতার তৌখি নদীয়াদা—নবদ্বীপ।

শ্রীকৃষ্ণ, মহাক্কী ইমুংমনুং, লোইনবা অমসুং লীলা শ্রীবৃন্দাবন ধাম, পূম্নমক অসি অপ্রাকৃত (চমদবা, মায়াগী মনু চন্দবা) নী পোৎনি ধাম (মফম) অসিদা মহাক্তা থাদোকপা লৈতনা নিত্যলীলা শান্নৈ, কবিগুম্বা মতমদা মহাক্না মহাক্কী চিন্ময় বাস্ব লীলাবু থাদোক্কে।

(যথা যামলে)

কৃষ্ণোঽন্যো যদুসম্ভূতো যস্তু গোপেন্দ্রনন্দন।
বৃন্দাবনং পরিত্যজ্য স কচিন্নৈব গচ্ছতি॥
দ্বিভুজঃ সর্বদা সোঽত্র ন কদাচিচ্চতুর্ভুজঃ।
গোপৈকযাযুত স্তত্র পরিক্রীডতি নিত্যদা॥"

হায়রিবদি—যদুনন্দন শ্রীকৃষ্ণ (বাসুদেব) গা ব্রজেন্দ্রনন্দন শ্রীকৃষ্ণগা মান্নদে, ব্রজেন্দ্রনন্দন শ্রীকৃষ্ণদগী-তোপ্পা অমুম ওইবা ব্রজেন্দ্রনন্দন শ্রীকৃষ্ণনা বৃন্দাবন থাদোক্লুনা অতৈ অাতোপ্পা মফম অমদা চত্তে। মহাক্না শ্রীবৃন্দাবনদা পাম্বোম অনি পান্দুনা লৈ কবিগুম্বা মতমদা পাম্বোম মরি পান্দে অমসুং মহাকা মশি নাইদবা গোপিকাশিংগা লোইনদুনা মফম অদুদা নিত্য (নিতিগী) লীলা শান্নরি মফম অসিদা শ্রীবৃন্দাবন, শ্রীকৃষ্ণ, গোপিকা, লীলা শান্নবা নিতিগী ওইব মরম্না পূম্নমক অসি সচ্চিদানন্দময় (নুংঙাইরনবা লৈবা) নি হায়রিবা খঙনব

(অদুগা সনৎকুমার সংহিতাদা অমুম্না হায়রি)

যথা প্রকটলীলায়ঃ পুরাণেষু প্রকীর্তিতা।
তথা তে নিত্যলীলায়াং সন্তি বৃন্দাবনে ভুবি॥
দাসাঃ সখায়ঃ পিতরো প্রেয়স্যোঽস্য হরেরিহ।
সর্বে নিত্যা মুনিশ্রেষ্ঠ তত্তুল্যা গুণশালিন॥

হে মুনি ভাথোইবা! শ্রীকৃষ্ণনা মী থাই খঙনা ফোংদোক্না শান্নবা লীলা অদু পুরাণ অমাম্নদা ইদুনা লৈরিবনি, নিত্যলীলা (নিতিগী লীলা) পূম্নমক শ্রীবৃন্দাবনদা শান্নরিবা অদুসু

গৌর-কৃপা টীকা

পুরাণশা ইবিবা অদুগা চপ-মান্নবনি। মবম অদুনা শ্রীবৃন্দাবনদা শ্রীকৃষ্ণগী মনাই-মনান্নবশিং, মমা-মপা ৬মস্তুং চান্নবী পুন্নমক নিতানি (অনাওবা লৈতবনি) অমসুং শ্রীকৃষ্ণগুম্না কণ লৈবা ভাক্লনি।

শ্রীকৃষ্ণনা পুলিন কৌদা মফম অমদা মমান্নবশিংগা অথুম-অহাও চামিন্নগে (ভোজন তৌমিন্নগে) হায়দুনা পরেং শানা মমান্নবশিংগা ফম্মিরে, মী মশিং যাম্বনিনা পংক্তি কযামুক থোক্লা লেংলে। মমান্নবশিং অদু খবনা শ্রীকৃষ্ণবু ভুগুস্তোকপা পংক্তিদা খবনা নাকন ওইবা পংক্তিদা ফম্মী, খরনা মায়োক্নবা পরেংদা ফম্মী, অদুবু চাবগী মতমদদি মমান্নবা পুন্নমক অদুনা মখোঙ্গী খুদিংমক্না মায়োক্লনা চারি হায়না খল্লী। অদুগা বাস শান্নবগী মতমদা গোপী পুদিংমক্না মশা মশাগা লৈমিন্নবি হায়না খল্লী। থৌরম পুন্নমক অসি শ্রীকৃষ্ণনা তৌরী বা। তৌবা ঙম্মী হায়বা তাকপনি

অদুনা কলি যুগ অসিদা স্বয় ইবুংঙো মহারা মহাক্না লোঙ্গনবশিং অদুগা লোঙ্গনবা শকক্নম হোদোক্লুনা নবদ্বীপ্তা স্বয গৌব ওইদুনা অবতীর্ণ ওৌথি। মংম অসিদগী নবদ্বীপ বম অসি ইবুংঙোনা লীলা শান্নফম ওইববনিনা অচুম্না নবদ্বীপ ওইদ্রে, চমদবা (অপ্রাকৃত) চিন্ময় ধাম (রাখনগী লৈবাক) ওইরে অমসু মংম কুইনা চিন্ময় ধাম ওইদুনা লৈবগনি। অদুগা অবতীর্ণ ওৌবরে হায়দুনা অহানবা শ্রীবৃন্দাবনদা, লোঙ্গনবা পুন্নমক শ্রীকৃষ্ণগা লাইননা নিতি লীলা শান্নবগী লেপ্পা (লোকপন্থু) লৈতে। ইবুংঙো মাঙোন্দগী পাইথখিবা অবতার ঈশ্বরশিংসু মফম খুদিদা লেংদনা চপমান্ননা লৈ, মুশিংসু মফম খুদিদা লেংদনা লৈ, মুশিং-স্ম-ইশিংবু পুথোকখিবা শি নাইদবা পদ্মাওবু পুথোকখিবা অমসু অবতার পুন্নমকপু পুথোক্লিবা শ্রীবৃন্দাবনগী শ্রীকৃষ্ণনা (শ্রীবন্দাবন হণা-থাদোকনা) অনন্ত ব্রহ্মাণ্ডদা ওইনিংবা শকফম ওইদুনা লেংদনা লীলা শান্নদুনা লৈ হায়বদা কবিসু চিনমিংশাই লৈতে। ইবুংঙো মাগী লীলা অসিদি পাপ লেবা মীনদি উজবা ফংদে, মখোয়গী গুরু শ্রীরূপ সনাতন শ্রীল নরোত্তম ঠাকুর অমসুং শ্রীল শ্যামানন্দনচিংব ভক্ত বৈষ্ণবশিংদি সেবা তৌজবা ফংখিবা ভাক্লনি।

দ্বাপর লীলাগী মতুংদা গৌরলীলা শান্নববা অসিদা গৌরলীলা অসি অনাদি নং (জগৎ শেমগ্রিঙৈদা লৈবা নত্তে) অদুনা নিত্যসু নংও হায়না খনবা য়াই। লৌইশুন্নসু শ্রীকৃষ্ণগী অমসুং ভগবৎস্বরূপ কী প্রকট-অপ্রকট (অফোংবা-ফোংদবা) লীলা পুন্নমক নিত্যনি (অরেপ্পনি)। ফোংদোক্লীংবা মংমদা ফোংদোকপা, থুপচিন্নীংবা মতমদা থুপচিনবা অসিদনি। ভক্ত বৈষ্ণবকী মফমদদি শ্রীকৃষ্ণনা লোংপা ইডম-ডমজদে।

চৈতন্যসিংহের নবদ্বীপে অবতার।
সিংহগ্রীব সিংহবীর্য্য সিংহের হুঙ্কার ॥২৩
সেই সিংহ বসুক জীবের হৃদয়-কন্দরে।
কল্মষ দ্বিরদ নাশে যাহার হুঙ্কারে। ২৪

অর্থ :—

চৈতন্য-নোংশা নবদ্বীপ্তা অবতার ওলে।
হুকশল পাঙ্গল লাউবা নোংশাগী মতৌ-মখাব ॥২৩
জীবগী থমোইগী লোকা লমগ্ন নোংশাড়ুনা।
ভাবিলেগী নবরা শ মু [illegible] ৬ বহুন। ॥২৪

গৌর-কৃপা টীকা

২৩। ভোজিন "শচীনন্দন হরি" [illegible] সিগী অর্থ [illegible]। হরি-[illegible] অর্থ অনাদি নোংশা (সিংহ) হায়, মসমা অদুনা "শচীনন্দনঃ হরি" [illegible] 'চৈতন্য নোংশা' (চৈতন্য সিংহ) হায়রিঙ্গ অর্থ [illegible]। [illegible] হায়রিবা শ্রীচৈতন্য নোংশাগা চাদয়নি

চৈতন্য [illegible] শ্রীচৈতন্য। নোংশাগী হুকশল—নোংশাগী [illegible] পানবা [illegible] খৌবা। নোংশাগী [illegible] অদু যায়ি [illegible]। [illegible] নোংশাগী [illegible] অনিবা [illegible] চৈতন্য [illegible] অবতার [illegible] নোংশা [illegible] মখাদা [illegible] লৈ [illegible], [illegible] শ্রী চৈতন্য [illegible], [illegible], [illegible], বরি [illegible] অদুক [illegible] শানা [illegible] কিজুনা [illegible] চৈতন্য, অদু মতুনা শ্রী চৈতন্যনা লাউবা অদু [illegible] (নাম-কীর্তন) [illegible] অনাদি, নোংশানা [illegible] অদু [illegible] অমদা [illegible] অনুক [illegible] য়াওই, [illegible] শ্রীচৈতন্যনা লাউবা তাবদা [illegible] অরা-অনা (পাপ-তাপ) [illegible] অদুদি [illegible] হুমদে। [illegible] চাউরবা শ্রীচৈতন্যনা নবদ্বীপ্তা অবতীর্ণ ওইবরে (অবতার ওলরে)।

২৪। "সদা হৃদয় কন্দরে স্ফুরতু বঃ" বাহৈ খরা অসি অর্থ তৌজরি।

প্রথম লীলায় তাঁর 'বিশ্বম্ভর' নাম।
ভক্তিরসে ভরিল ধরিল ভূতগ্রাম ॥২৫

অর্থ :—

মাগী মিং 'বিশ্বম্ভর' কৌই অহানবা লীলাদা।
যোকপিবি ভক্তিরস পীদুনা জীব মযামদা ॥২৫

গৌর-কৃপা-টীকা

নোংশাদুনা—নোংশাগুম্বা শ্রীচৈতন্যনা। লৈসন্নু—লেংসিনবিসন্নু। মনোহর লোক্তা থমোইগী গুহাদা নোংশানা চীংগী লোক্তা লৈবগুম্না শ্রীচৈতন্যনা জীবগী থমোইদা মতম লৈনখিবিক্তা লেঙদন লৈবিসন্নু, মাহে অসি শ্রীল কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙ্গৈজনি, অম-বোংদনা জীবগী মফমদা আশীর্বাদ (বর) পীবিবনি। ভক্তিগী যেরবা শামু—শামুগী মতৌগুম্বা ভক্তিগী যেরবা থবক। নোংশানা ংবদা শামুনা চেপ্পী অমম্মং মখোঙ্গী অনিলায়্রনবম্মু নোংশান। চম্পা, অদুংমতুনা শ্রীচৈতন্যনা লাউবদম্মু ভক্তিগী যেরবা থবক পূম্নমক লাপ্পা চেনখি।

শুহা নত্রগ লোক্তা নোংশা লৈববদি নফম অদুদা শামু লৈবা ঙাদে, হান্না লৈনম্নবস নোংশা চলনপদা চনখি অদুংগুমদুনা জগৎগী থমোইদা শ্রীচৈতন্য ফাওবিববদি (লেংসিন-বিববদি) থনোই অদুদা ভক্তিগা যেরবা ওইবা, করিগুম্বা থবক অমতা তৌনাংবা লৈতে, অহানবদা ফবনা থবক তৌবম্নম্মু তোকখি মবন অসিনা কবিরাজ গোস্বামীনা কনাগুম্বা অনগী থমোইদা ভক্তিগী যেরবা ওইবা ফংবা রাখন অদু চঙবা মদনলনীদমক শ্রীচৈতন্য জীব পম্নমক থমোইদা ফাওবিবসন্নু হাঙ্গৈন খুবমজবনি।

২। নবদ্বীপ্তা অবতার ওইরগা হৌগ অনম্নং লীলাগী মতুংইন্না শ্রী চৈতন্যগী কনি বনি মি ফাওখিবগে হাঙ্গৈবদু পযার অদুন অসিদা হাযদনি। আদি-লীলাদা, জগৎকী লবিনা থরাই পানবশিংবু প্রেম পীবিদুনা যোকপি হাঙ্গৈদুনা মহাক্কী নাম 'বিশ্বম্ভর থোল্লি', অনম্নং অকোনবা লীলাদা (শেষলীলাদা) শ্রীকৃষ্ণগী মনমদা, জীববু ভাব শাহল্লা হাযদুনা মহাক্কী মমিং শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য কৌরি।

অহানবা লীলাদা—শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুনা অহানবা চহি ২৪ (কুম্মাসী) মনমদা লেপিংদে (গৃহস্থাশ্রমদা লৈরিঙৈদা) শাম্নবা লীলা পূম্নমক অদুবু অহানবা লীলা কৌই। অহানবা লীলা অসিদা প্রভুগী মমিং 'বিশ্বম্ভর' কৌই।

বিশ্বম্ভর—বিশ্ব—ভৃ+খ। বিশ্ব ভরতি ইতি বিশ্বম্ভরঃ, জগৎতা লৈবিবা জীববু ভক্তি রস পীদুনা য়োকপি হাঙ্গৈদুনা মহাকপু বিশ্বম্ভর কৌই। ভৃ-ধাতুগী অর্থদি য়োকপি থাকপিবনি

'ডু ভৃঙ' ধাতুর অর্থ'—পোষণ ধারণ।
পুষিল ধরিল প্রেম দিয়া ত্রিভুবন ॥২৬
শেষ লীলায় নাম ধরে 'শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য'।
শ্রীকৃষ্ণ জানায়ে সব বিশ্ব কৈল ধন্য ॥২৭

অর্থ

'ডু ভৃঙ' ধাতুগী অর্থদি যোকপি-থাকপিবনি।
ত্রিভুবন প্রেম পীদুনা যোকপি-থাকপিবিবনি ॥২৬
'শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য' থোল্লে অরোইবা লীলাদা।
কৃষ্ণবু খঙহল্লে মালেম খুংহল্লে জীবদা ॥২৭

গৌর-কৃপা টীকা

জীবগী অহানবা নশক্তি (হৌরকফমদি) শ্রীকৃষ্ণগী মনাইনি, মখেম অতুনা ভক্তিরস-তনা জীবগী মকনি; তৌইদনা শ্রীকৃষ্ণবু থাজদবা জীবশিং অতুনা মায়াগী সংসারদা পোকনা মায়াগী লুংঙাইবদা লপ্পুনা নশাগী হৌরকফম মশক থাউবনস্তু, লৌজাল হুম্নবা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য মখোইগী অমম্বা রাখল অতু কোকহনবিনগা, ভক্তিরস পীজতনা চিন্ময়গী মশক (জ্ঞানগী মশক) অতু মশা নোইহন্দুনা, ময়াদ থরাই য় স্বরূপদগী থাদোকহন্দনা জীবনা তাফম থোকপা চচুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবাদ পুরিং চংহল্লী। মশা অসিগী শ্রীচৈতন্যনা জীববু যোকপি হাপ্পিরবনি শ্রীচৈতন্যনা মখোইবু ভক্তিরস পীদুনা অচৎপা লম্বি অমুক তাক-পিখ্রবদি শ্রীকৃষ্ণ বহির্মুখ (শ্রীকৃষ্ণ থাজদবা) শিং অতু মখোয়া সংসারগী লুংঙাইবনেদা নমায় লনসিনখিদে। মশা অসিদগী শ্রীচৈতন্যনা জীবগী পুক্সী পাইদুনা থম্বা হাপ্পিবিবনি, জীব মযামদা জগৎনা চৎলিবা থবাইপানবা নথমদা।

২৬। "ডু—ভৃঙ"—ভৃ ধাতুগী অর্থদি জীবশিংদা ভক্তিরস পীবিদুনা যোকপি-থাকপিবনি। ত্রিভুবন—স্বর্গ, মর্ত্য অমসুং পাতাল স্বর্গ-মর্ত্য-পাতালদা লৈরিবা জীব পুম্নমক্পু।

২৭। অরোইবা-লীলাদা—লমোইবদা মতুংদগী চহি ২৪ (কুম্রি) ফাওবদা শান্তিবা লীলাগী মমিংবু অরোইবা—লীলা (মতুংগী অরোনবা লীলা) কৌই। মতুংগী-লীলা অসিদা প্রভুগী মমিং শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য কৌখরে। কৃষ্ণবু খঙহল্লে—কৃষ্ণবু ভাব তাহল্লে। কৃষ্ণবু থাজদবা (বহির্মুখ) জীবশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী তত্ত্ব, মশাগী তত্ত্ব, শ্রীকৃষ্ণগা মশাগা করি মরী লৈনবা

তাঁর যুগাবতার জানি গর্গ মহাশয়।
কৃষ্ণের নামকরণে করিয়াছে নির্ণয় ॥ ৭

অর্থ :—

মাগী যুগাবতার খঙভী গর্গ মহাশয়না।
কোংদোকখরে কৃষ্ণগী মিংথোনবা মতমদনা ॥২৮

গৌর-কৃপা টীকা

হাঙ্গনভ ববিস্ত খঙলংদে, শ্রীমন মহাপ্রভুনা কৃপা তৌবিদুনা পুম্নমক অসি জীববু খঙহনবিরে। অবোইবগী লীলাদা শ্রীমন মহাপ্রভুনা, শ্রীকৃষ্ণগী নবমদা জীবশিংনা খঙডমদবা ভাব তারমদনা অদু খংহল্লা হাঙ্গদুনা ইবুংঙো মাগী মমিং শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য থোনখরে। শ্রীপাদ কেশব-ভারতীনা মিং অসি হায়নহান্না থ নবনি

২৮ কলিগী অহানবা সন্ধ্যাদা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীচৈতন্য ওইদুনা অবতীর্ণ ওইবে হাঙ্গবসি নখক্কদা যাব নং ওবদা হাঙ্গখ্র। কনা-কনাগুম্বনা হাঙ্গবা যাই, কলিযুগতা কমিগুম্ব অবতার ওমতা লাক, মবন অতুনা কলি যুগতা শ্রীকৃষ্ণশ্রীচৈতন্য ওইনা অবতার ওই হাঙ্গনসিবু কবি থ ভর্নাংঙাই লেবগে, মাদুগী পা ওখুমদি যাব তসিদা হাঙ্গবি, কবি কবিরাজ কলিদা শ্রীকৃষ্ণনা পীতবর (সনামচু) শ্রীচৈতন্য ওইনা অবতীর্ণ ওই, শ্রীকৃষ্ণগী মমিং থোনবা মতমদা গর্গাচার্যগী থাহৈনা পেনাম্নি। মাগী—শ্রীচৈতন্যগী যুগাবতার যুগতা অবতার ওইবা। যুগাবতারবদি শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি, মহৈংলমসু শ্রীচৈতন্যাদি স্বয় শ্রীকৃষ্ণনি। গর্গ মহাশয় মহাঋষি গর্গাচার্য, মহাক নন্দদেবগী শাইগী পুরেহিতনি, মাঙি হেবনা ভফাওবনি। বসুদেবগী নীংবগী মতু ইন্না গোকুলদ লাক্নুনা শ্রীকৃষ্ণগী মমি থোনখ, মিং থোনবা মতমদা "আসন বর্ণাস্ত্রযো হ্যস্য" শ্লোক ইঙ্গিং লৌদুনা হাঙ্গলম্মী, মসু শ্রীকৃষ্ণনা কলিদা অশংগা মচু (নীলবর্ণ) বালকৃষ্ণ ওইনা অবতীর্ণ ওই। প্রমাণ মথাদা উচ্চবি।

শ্লো। ৭ অন্বয়। অন্নয়ুগ (যুগ খুদিংদা) তনু (শ্রীমান হকচাং) গৃহত (লোবিবা) অস্য (মহাক্কী—হে নন্দ! নগী মচা অসিগী) হি (লেপ্পমক) শুক্ল (অংগৌবা) রক্ত (অঙংবা) তথা (অদুম্না—অমসুং) পীতঃ (সন মচু) [ইতি] (অসুম্না) ত্রয়ঃ (অহুম) বর্ণা (মচু) আসন (ওংখ্রে); ইদানীং (হৌজিক দ্বাপর অসিদ) কৃষ্ণতাং (কৃষ্ণবর্ণ) গতঃ (ফংবে—ওহল্লে)।

তথাহি (ভা: ১০।৮।১৩) –

আসন বর্ণাস্ত্রয়ো হ্যস্য গৃহ্নতোহনুযুগং তনু.।
শুক্লোরক্তস্তথা পীত ইদানীং কৃষ্ণতাং গত:॥৭॥

গৌর-কৃপা টীকা

অনুবাদ।— গর্গাচায্যনা হায়রকই —হে নন্দগী নি থো যুগ খুদিংদা হকচা° (শ্রীমূর্ত্তি) অমমন ওইরিবা (পুথোকিবা) মংগী মচা অসি কুচু অঙৌবা, অঙাংবা অমসুং সনা-মচু অদুম অসি ওইখ্রে হৌজিক দ্বাপর যুগ অসিদনা অমুবা কুচু ওইরে [মরম অসিনা কৃষ্ণ (অমুবা) কৌরম্ল মচাগী মমিং অমনি]।৭॥

শুক্ল—সত্যযুগকী যুগাবতারনি। অঙৌবা কুচুনি, পাম্বোম মরি পাল্লী, জটা পুই, উগী উক শেংলী, দণ্ড, কমণ্ডলু, কৃষ্ণসার-শক্তি মউন, মহুগ অমসুং মালা (উত্রিক) লী, ব্রহ্মচারীগী ফিজেংনি "শ্রীভা ১১।৫।২১" মতম অদুগী মীশিংদি শান্ত ওই, যেরবা লৈতে, তপস্যা তৌবনা মগ্ন ওইরম্মী রক্ত—ত্রেতাযুগকী যুগাবতারনি মহাক্কী কচুদি ঙাংই (ঈ মচুনি) পাম্বোম মরি পাল্লী, মখলা (শাণ্ড চং) অহুম শেংলি, বোক্তা জটা, মতম অদুগী মীদি বেদনা থবাই যাওই, "ত্রেতায় রক্তবর্ণোহসৌ চতুর্ব্বাহুস্ত্রি মেখলা: হিরণ্য কেশস্ত্রয্যাত্ম স্রুবা ত্যুপলক্ষণ: ॥ শ্রীভা ১১ ৫।২৪॥" পীত সনামচু।

গর্গাচায্যনা শ্রীকৃষ্ণগী মমিং থোনবা নন্দনা নন্দ মহারাজগী নফমদা লোক অসিদা বাহৈ খরা অসি হায়রি মান। হায়খি—"নন্দ মহারাজ! সত, ত্রে, দ্বাপর অমসুং কলি যুগ মরি অসিদা নগী মচা অসি কুচু ইমান-মাঙদনা তাওনা-তোরনবা হকচা ওইখি, হায়রদি যুগ অমমমদা কুচু অমমমগী হকচা ওই। 'ইদানী' হায়রদি হৌজিক দ্বাপর যুগ অসিদা কুচু মরেং, গৌরচন্দ্রসং মহাকী মচু অহুমদি—অঙৌবা, অঙাংবা অমসুং সনাগী মচু-অদুম অসিদি দ্বাপর অসিগী মমাংদ ওইখরে (আসন—হৌখ্রবা খরনবা নিপ্রাপদনি)।

অনুবাদ । পণ্ডিতশিংনা (বৈবস্বত—মন্বন্তরগী যুগ মরিনা কুম্নিপান শুরকপা) কলি যুগতা অবতার তৌরিবা অতৌবা (কুমচু মাংদবা) কুপসিল্লিবা শ্রীকৃষ্ণবু, খোঙ্জেল বাংনা কীর্ত্তন তৌবনা ঈশৈ শকপনা অথাইবা যজ্ঞনা পূজা তৌনৈ, অমসুং নঙ্গোইবা সন্ন্যাসী পম্নম্না থাবনি নৈ হাঙনা শিংথানিবা, অদুম ওইব চৈতন্যগী মশক ওইবা শ্রীগৌবাঙ্গ ইবুংঙো ঐখোয়বু থাইনা চেন্নাক থৌজানবিসন্নু ১২॥

কলৌ—বৈবস্বত মন্বন্তরগী যুগমরিনা কুম্নিপান শুরকপা কলি যুগতা । স্ফুটং—ফোংদোক্না, অবতীর্ণ ওইবা, ত্বিতিভবাং—মঙাম্না হেনবগী শ্রীবাধাগী অতৌবা কুচুনা হেক্লিংনা, শ্রীকৃষ্ণগী কুচুদি অমুবনি, অদুগা কুচু শরুকনী মহৌশানা মঙান অমা লৈনি, অদুবু শ্রীরাধাগী অতৌবা কুচু অদু ওইনা নিহুম্না শকখি । মহাক্কী মহৌশগী অমুবা কুচুবু মপুং কনা কুপসিনখিদুনা অতৌবা অদুগী মোল কম্নি অমতা উবা লৈখিদ্রে । শ্রীকৃষ্ণগী সংবাম্নবা মঙান্দগী শ্রীবাধাবা অতৌবা মঙাম্না হেনখিবা মবম্ন শ্রীকৃষ্ণগী মঙান (কুচু) অদু তৌখরে (কলিযুগতা) । উংকীর্ত্তনময় কম্নিগুম্না থৌরম অমদা খোঙ্জেলা লাউনা শকপা সঙ্কীর্ত্তম্না মরু ওইনা শিজিন্নবা, সঙ্কীর্ত্তন প্রধান । মখবিধি—যজ্ঞগী পথাপ হৌনবী ভক্তিযজ্ঞ । অভিযজন্তে—অভি (মপুংফানা) যজন্তে (নীংনৈ, পূজা তৌনৈ) সঙ্কীর্ত্তনবু শ্রীগৌবাঙ্গনা যাম্না পান্নৈ হাইত্তনা ইবুংঙো মাবু পূজা সেবা তৌবা মতমদা চংগদবা পোং মবম খিবিকী মন্দ্রদা খোঙ্জেল লাউনা শকপা সঙ্কীর্ত্তন (ঈশৈ) দদি চিংথবা মথাদ্রে ।

অখিল—পুম্নমক । চতুর্থাশ্রম—ব্রহ্মচর্য্য, গার্হস্থ্য (য়ুম্বানবা) বানপ্রস্থ (লাইনীংবা মী, বোন্দা লৈহনা) ১সুং সন্ন্যাস আশ্রম অম্নিনি, মরিগুবা আশ্রমসু সন্ন্যাসাশ্রমনি খঙনৈ; আশ্রম

গৌর-কৃপা টীকা

প্রত্যক্ষ তাহার তপ্ত কাঞ্চনের দ্যুতি।
যাহার ছটায় নাশে অজ্ঞান-তমস্তুতি ॥৪৬
জীবের কল্মষ-তমো নাশ করিবারে।
অঙ্গ-উপাঙ্গ নাম নানা অস্ত্র ধরে ॥৪৭

অর্থ :

মাগী কুচুদি সাক্ষাৎ সনা-মচু ওস্বনি।
চৈতন্যগী মঙানদুনা অনম্বা মাঙবনি ॥৪৬
জীববু পাপকী অমম্বা কোকৃহন্নবগীদমক।
অতোপ-অতোপ্পা থুলাঙ্গ পাঙ্গী—নাম-উপাঙ্গখিবিক ॥৪৭

গৌর-কৃপা টীকা

মরি অসিগী মনুংদা সন্ন্যাস আশ্রম্না মরূনি (অথোইবনি), সন্ন্যাস আশ্রমদা চংগ্রবা মহাত্মাশিংবু অতোপ্পা আশ্রম অহুনদা লৈরিবা মীশিংনা পূজা তৌনৈ। চতুর্থাশ্রমরুবাং—লম্বোইবাশিংগী। উপাস্য—সেবা তৌগদবা। শ্রীগৌরাঙ্গবু লম্বোইনা পূম্নমক্না সেবা তৌকম থোকই, মরম অসিনা আশ্রম মরিদা লৈম্নিবা মী পূম্নমক্না নিংনৈ। শ্রীগৌরাঙ্গনা লম্বোইবগা লম্বোইবা পূম্নমক্কী শিরোমণি (মকোক) ওইখি হায়রনে লম্বোইবা পূম্নমক্না নীংনৈ। চৈতন্যাকৃতি—চিন্মূর্ত্তি মহাক্কী মঙ° অহ্ চিং ওইবনি তচিং লমদ প্রাকৃত (অচম্না) ৰবিমতা যাওদবনি। দেহ-অহিংদগী থোইদোক-হেন্দোকপা পূম্নমক্না নীংনফা ওইবা; ইবুংগো। বলিগী অবতার শ্রীমন্ মহাপ্রভুদি "কৃষ্ণবর্ণ" নত্তে মহাক সনা মচু মানবনি হায়বহ্ "দ্যুতিভেরাদ কৃষ্ণাঙ্গ" শব্দনা প্রমাণ তৌই।

৪৬। কলিগী অবতার শ্রীমন মহাপ্রভুগী হকচাংগী মচু অমদি সনানা মহি চেনবা মতমদা লংনা ফজবা অতুগুম্না ফজে—ইবুংগো মাবু উজবরবা মীসি অতনা খঙিঙ। মরম অতুনা ইবুঙো মহাক্কা কুচু মুই হায়বদা ৰবিমতা য়াকম থোকনি। মহাক্কি সনা মচু মানবনি।

সাক্ষাৎ—তশেং তশেংনা; মমিংমক্না উৎবা মাশিং অহুগী প্রমাণ মতু হন্না। মাগী—শ্রীমন্ মহাপ্রভুগী সনা মচুগস্বনি—সনানা মহি চেনবা মতমদা লংনা ফজবা অতুগুম্বা কুচনি। মাঙবনি—কোক্‌হনবনি। অমম্বা—জ্ঞান য়াওদবা, হিংচাবগী পুকচেন চেনবা;

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীগৌরাঙ্গগী হকচাং মঙান অঙ্গগী মগুনা ঈশ্বরবু থাজদনা জীব পুম্নমক্কী থমোয়গী অমম্বা মপৈ মাঙহল্লা, হিংচাবগী পুকচেন চেনবা তদু কোকহল্লি : মবম অদুনা শ্রীচৈতন্যগী হকচাংগী মঙাম্না হিংচবগী মাঙহন্নবা খুৎলাই (অস্ত্র) গী মতৌগুম্না থবক তৌই। পয়ার অসিগী তংখাইদগী পযার ৬১ ফাওবা "কৃষ্ণবর্ণ" শ্লোক্কী অর্থ তৌরি।

৭৭। পাপকী অমম্বা ভক্তিনী যেরবা থবকপু পাপগী অমম্বা হাঙ্গবা যাই; মরমদি তামদা করা পোং অমা টবা যদে, অদুং মদুনা ভক্তিগী যেরবা থবক্তা পুক্নিং চংলবস্থ ভক্তিগী মগণ থগুবা ঙমদ। • ম-উপাঙ্গখিবিক—অঙ্গউপাঙ্গ কৌবা লোঙ্গনবশিং, মনাইশিং।

কলিনা মাঙহন্নবা জীবশিংদি মহুদান ভক্তিনা য়েরবা থবক তৌবা পঙমজে; মখোঙ্গনা পামজবিবদু কোক্লনবগীদমক থৌজাল হৈবা শ্রীগৌরাঙ্গনা মনাই, মনাই অদুগী মনাই (অঙ্গ উপাঙ্গ) অমসু নাম পুম্নমক ভক্তির খুৎলাইগী মতৌগুম্না লাঙ্গনদুনা অবতীর্ণ ওই, মহাক্না চত্রনচিংবা খুৎলাইদি হন্দক্কী অদোমদা ফাংনা পুথোক্কে। শ্রীগৌরাঙ্গ ইবুংঙোনা মনাগুম্বক্কী মফমদা প্রেমগী নিংথৌ য়েকচনা নাখাঙ্গশি অদুনা শ্রীগৌরাঙ্গবু অমুক্তং উজবা ফংবদা নত্রগা ইবুংঙোনী চিন্দগী হরি নাম খোনবা অমুক্তং তাজনদা পুদক অমনগুদা মখোঙ্গগী থম্মোইনা ভক্তিনা য়েরবা থবক তৌনীংঙম্বা পুম্নমক অদু মওখি। অতোপ-অতোপ্পা অবতারগী মতমদদি চক্রনচিংবা খুৎলাইনা—জাবশিংবু কিহন্দুনা ভক্তিগী যেরুবা থবক তৌনীংবশিং অদু থাদোকহন্নী, অদুগা চক্রনচিংবা খুৎলাইগী পাম্পনা হিং-চাবাশিংবুস্থ মাঙহল্লী, অদুগুম্বসুং হন্দক্কী কলিযুগ অসিদদি যাম্না থৌজাল হৈবা অমনা অবতার ওইবনা করনবুস্থ ভকিবা অমতা উহন্দরে, হাৎপগী থবকস্থ তৌদ্রে শ্রীঅঙ্গগা শ্রীনামগা কোকদোক্লনা শ্রীঅঙ্গগী (হকচাংগী) পুক্নি হুন। ফজবা অমসুং শ্রীনামগী মাধুর্য্য (নীংখিজবা) অদুনা ভক্তিগী মপান্দা লৈবা হিংচাবশিংগী থম্মোইবু চিংসিণুনা হাম্না ফজবা পুকচেন চেন্নম্বা তদু ইখঙ থঙহেদনা মাঙহনখিদুন শ্রীভগাবানবু হুংশিনা অমসুং থোৱাংবগা লোঙ্গননা নীংঙ্গী। মতৌ অসুম তৌদুনা মনাই অমসুং নাইথাং ময়াম অদুনা খুৎলাইগী মতৌগুম্না থবক পাংথোকই হাঙ্গদুনা মনাই অমসুং নাইথাশিং অদুবু খুৎলাইনি হায়না শিংথানৈ।

ভক্তির বিরোধী—ধর্ম্ম-কর্ম্ম বা অধর্ম্ম।
তাহার 'কল্মষ' নাম—সেই মহাতম ॥৪৮

অর্থ :—

ধর্ম্ম-বর্ম্ম অধর্ম্ম য়েক্নবা ওইবা ভক্তিগী।
মমিং "কল্মষ" কৌই অমম্বা অতুগী ॥৪৮

গৌর-কৃপা টীকা

৪৮। পযার অসিদা মথক্তা হাঙ্গৈবিরা কল্মষ শব্দগী অর্থ তৌজবি। য়েক্নবা ওইবা ভক্তিগী—ভক্তিগী লম্বিদা যেন্নবা ওইবা থবক, থবক পূন্নমক অতু তৌবদা ভক্তিগী মযোন চোংজবা অমদি থবক পূন্নমক অতু তৌবদা ভক্তিগী মযোন চেংলম্বস্ত মাঙখিবা, অতুম ওইবা থবক পূন্নমক অতুবু ভক্তিগী যেক্নবা কৌই। ধর্ম্ম অমস্তুং অধর্ম্ম—ধর্ম্মবু ওইবনস্ত অধর্ম্মবু ওইবনস্ত ভক্তিগাদি যেন্নবা ওইবা পূন্নমক অতুবু কল্মষ কৌই স্বর্গ ফংননবগীদমক বৈদিক্কী থবক তৌনস্ত ধর্ম্ম কৌই, তৌইগুম্বস্তুং ইশাগী স্নুংভাইনবা য়েংদুনা তৌবা থবক অতুবুদি ভক্তিগী য়েক্নবা কৌই। কবি অমুক হাঙ্গৈগদগে মুক্তিগীদমক যেংদুনা তৌবা থবক পূন্নমকস্ত ভক্তিগী যেন্নবা কৌই। মবমদি, ভক্তি হাঙ্গৈবা অসিগী অরেপ্পা অর্থদি শ্রীকৃষ্ণগী পেন্ননব। তৌবানি, করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্ননবগী মচাক্কি উদবা অতুগা নাবল অমবোমদনা ইশাগী পেন্ননবা ওইবা অমস্তুং ইশাগী অরাবা কোক্ননবা ওইবা অতুম ওইবা থবকশিং অতুদি ভক্তিগী মন্নুংচনবা যাদে। অতুম ওইবা থমোই অতুদা ভক্তি অমসুং মুক্তিগী রাখন লৈবিরা অতুম মথৈ গী অতুগী থমোইদা ভক্তিনানীগী ফিদা থানি দে। 'ভুক্তি মুক্তি-স্পৃহা যাবৎ পিশাচী হৃদি বর্ত্ততে। তাবৎ ভক্তিসুখস্যাত্র কথম ভ্যুদয়ো ভবেৎ॥ ভ,র,সিন্ধু, পূ, ২।১৫॥"

অমম্বা অতুগী-অমম্বা অতুনা কুংশিল্লগা জীবগী ভক্তিগী মিংপু কুপসিল্লি। গুরুমমগ্রবা মতমদা লম্বি চংপদা উদতুনা লৈখোম-তিংথং থেংনতুনা যাম্না অরাবা ফংডি, অতুগুমতুনা ভক্তিগা যেক্নবা থবক্তা মাইওন্নিনবা মীশিংস্ত ভক্তিগী লম্বি উবা ফংদে, অতুনা অতোপ্পা লম্বী অমরোমদা চংখিতুনা সংসারগী অরাবদা তাকই।

৪৯। শ্রীগৌরাঙ্গনা মহাপ্রভু মনাইগা—নাইথাংগা অমস্তুং নামগা ময়াম অসিগী পাম্বৈনা মতৌ করম্না জীবগী অরাবা (কল্মষ) কোকহনবগে হাঙ্গৈবতু পয়ার অসিদা হাইজবি। ইবুংঙো মহাপ্রভু পাম্বোম অনি থাঙ্গৎতুনা হরি হরি হাঙ্গৈতুনা প্রেমগী মীৎযেংনা কনাগুম্বদা যেংবি, মতম অতুমক্তদা মী অতুগী থম্মোইদা ভক্তিগী য়েংনা থবক তৌনাংঙম্বা অতু কোকখি অমস্তুং থুদক অতুমক্তদা মহাক অহু প্রেমগী সমুদ্রদা লুপখি।

বহু তুলি 'হরি' বলি প্রেমদৃষ্টে চায়।
করিয়া কল্মষ-নাশ প্রেমেতে ভাসায়॥৪৯

অর্থ :—

পাম্বোম থাঙতুনা 'হরি' শোন্দুনা য়েংবি।
কল্মষবু কোকহন্দুনা প্রেমদা তাউহনবি ॥৪৯

তথাহি তত্রৈব (২/৮)

স্মিতালোকঃ শোকং হরতি জগতাং তস্য পরিতো
গিরাস্তু প্রারম্ভঃ কুশলপটলীং পল্লবয়তি।
পদালম্ভঃ কং বা প্রণয়তি ন হি প্রেমনিবহং
স দেবশ্চৈতন্যাকৃতি রতি তরাং নঃ কৃপয়তু ॥১৩

গৌর-কৃপা টীকা

য়েংবি—সুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংবি : কৃষ্ণ-প্রেম্না মপুং ফারবা মীৎয়েংনা (ভংখাইদা পাঙবা মিৎয়েংনা) য়েংবি। প্রেমদা তাউহনবি—প্রেমগী সমুদ্রদা তাউহনবি। পয়ার অনি অসিদা হাঙ্গৎলিবা অসিগী প্রমাণ ওইনা শ্রীরূপ গোস্বামিচরণগী শ্লোক অমত্তং মথাদা উচ্চরি।

শ্লোক। ১৩। অন্বয়। যস্য (মহাক্কী) স্মিতালোকঃ (নোমোন্-নোকপা মিৎয়েংনা জগতাং (জগৎতা লৈরিবা থরাই পানবা পূম্নমক্কী) পরিতঃ (খোং-খোংপা : পুম্নমক) শোকং (অৱাবা) হরতি (হূৱানবি), তু (হন্না) যস্য (মহাক্কী) গিরাং (ৱাহৈ পুম্নমক্কী) প্রারম্ভ (হৌরকপা) কুশলপটলীং (য়াইফবা, মঙ্গল পুম্নমকপু) পল্লবয়তি (শন্দোকই) যস্য (মহাক্কী) পদালম্ভঃ (চরণগা চংজবদা) কংবা জনঃ (করম্বা মীনা) প্রেমনিবহং (শ্রীকৃষ্ণ—প্রেম—পুম্নমক) হি (লেপ্নমক) ন প্রণয়তি (ফংহন্দবগে, ফংহল্লী) সঃ (অদুম ওইবা) চৈতন্যাকৃতিঃ (চৈতন্য ওইবা) দেবঃ (ইবুংঙোনা) নঃ (ঐখোয়বু) অতিতরাং (থোইদোক হেদোক্না) কৃপয়তু (কৃপা তৌবিসনু)।

অনুবাদ। ইবুংঙো মহাক্কী মমোন-নোকপা মিৎয়েংনা য়েংবিবদা জগংতা লৈরিবা থৱাই পানবা পানবা পুম্নমক্কী অৱাবা পুম্নমক খোং-খোংপা হূৱানবি (মাঙহনবি)। মহাক্কা মরী লৈনবা (শ্রীচৈতন্যগা মরী লৈনবা) ৱা পুম্নমক হেক হাঙ্গবা হৌরকপদা য়াইফবা

শ্রীঅঙ্গ শ্রীমুখ যেই করে দরশন।
তার পাপ ক্ষয় হয়, পায় প্রেমধন ॥৫০
অন্য অবতারে সব সৈন্য-শস্ত্র সঙ্গে।
চৈতন্য কৃষ্ণের সৈন্য অঙ্গ উপাঙ্গে ॥৫১

অথ

উজবদা গৌরাঙ্গগী মাইথোং, মী অদুনা।
প্রেমলন ফংঙি পাপ লৈরগা অদু কোকখিদুনা ॥৫০
অতোপ্পা অবতারদা লাম্মী-খুংলাই লোইনৈ।
চৈতন্যগী লাম্মীদি মনাই ভক্তনা ওইনৈ ॥৫১

গৌর-কৃপা টীকা

মঙ্গল (মঙ্গোল) ওইবা হোৎনই, ইবুংঙো মাগী চংশু চংজবা বরম্বা নানা শ্রীকৃষ্ণ-প্রেম ফংদবগে (ফংঙি)- অদুম ওইবা চৈতন্য ওইবা শ্রীগৌরাঙ্গ ইবুংঙোনা ঐখোয়বু থোইদোক হেন্দাক্না কৃপা পৌবিসনু ।১৩।

স্মিত—লোমোন নোকপা। আলোক- মিংথেং। শ্লোক অসিদগী থত্তবা ওন্নিবদি— শ্রীচৈতন্যগী নাম—রূপ—গুণ—লীলানচিংবগী রাবী শাবদি লাইনথুনা চুম্নগী বাদা ভবা হীবকপদা জীবগী মঙ্গোল লাকপা হোই। লীলানচিংবগী অশেংবা মগুণ অদু শোল্লবদি হাঙ্গৈবদি কবিবু হাঙ্গৈবা ভমগদগে ? অদুগা শ্রীচৈতন্যগী শ্রীচরণবু চজবদি লাইনা ব্রজ প্রেম ফংবা ওম্মী।

৫০। নীশিং অদুনা শ্রীগৌরাঙ্গগী মাইথো উজবা ফবা মতমদা থুদক অদুম কুদা পাপ পুম্নক কোকখিদুনা মখোইনা কৃষ্ণপ্রেম ফংঙি।

পযার পবেং অনি অসিদা হাঙ্গৈবিবদি শ্রীচৈতন্য ইবুংঙোনা জীবগী পাপ কোকহনবি হাঙ্গৈবদি পাপ পুম্নমক কোকহন্দনা থম্মোইদা কৃষ্ণ প্রেম ফাওহল্লী। অসি নত্তনা পাপ কোকহননবা উপায় অমত্তু লৈ। মাদুদি অসিনি মহাপ্রভুনা পাম্বোম থাঙ্গৎতুনা শ্রীহরি নাম কীর্তন তৌবা মতমদা হরিনামগী গুণা জীবগী পাপ পুম্নমক কোকই, অমসুং থম্মোইদা প্রেম পোকই।

৫১। অতোপ-অতোপ্পা অবতারদগী শ্রীচৈতন্যাবতারনা থোইদোক হেন্দোকপগী মরম হায়জবি। অতোপ-অতোপ্পা অবতারগীদি হিংচাবা মাঙহন্নবগদমক লাম্মী লোইনৈ, থাংশাংনচিংবা খুৎলাইসু পায, তৌইগুম্বসু, শ্রীচৈতন্য ইবুংঙোগীদি পুম্নমক অদু অমত্তাঃ

অঙ্গোপাঙ্গে অস্ত্র করে স্বকার্য্য সাধন।
'অঙ্গ'-শব্দের অর্থ আর শুন দিয়া মন॥৫২
'অঙ্গ' শব্দে অংশ কহে শাস্ত্র—পরমাণ।
অঙ্গের অবয়ব 'উপাঙ্গ' ব্যাখ্যান॥৫৩

অর্থ :—

মথৌ পাংথোকই খুৎলাই ওইনা অঙ্গোপাঙ্গনা।
তাবিয়ু অঙ্গ—শব্দগী অর্থ পুক্নিং চংনা॥৫২
'অঙ্গ' শব্দনা অংশ খঙনৈ শাস্ত্রগী প্রমাণ্নি।
অঙ্গগী অঙ্গত্নু উপাঙ্গগী ব্যাখ্যান্নি॥৫৩

গৌর-কৃপা টীকা

লৈতে, মাগী মনাই—নাইথাংনা লাম্মী অমস্তুং খুৎলাইগী মতৌগুম্না থবক তৌই। মাগী অবতার অসিদা চক্রনাচংবা খুৎলাই পাঙ্গীত্নুনা কত্তবা মীশিংবু হাৎনে।

অতোপ্পা অবতারদা—শ্রীচৈতন্যাবতার নত্তনা অাতোপ্পা অবতারদা। পযার অসিগী তুংদা কবি কর্ণপুরনা লাইবিক্তা মথাগী শ্লোক অসি ইবম্বা য়াওই:—"সাদাপাস্তু শ্রীশ্রুত মনুষ্কাযৈঃ প্রণযিতা, বহদ্ভির্গীর্বাণৈর্গিরিশ পরমেষ্ঠি—প্রভৃতিভিং। স্বভক্তভঃ শুদ্ধাং নিজভজনমুদ্রামুপদিশন, স চৈতন্যঃ কিং মে পুনরপি দৃশোর্যাস্যতি পদম শিব বিরিঞ্চি (ব্রহ্মারুদ্র) নচিংবা লাইশিংনা মীওইবগী হকচাং ওইত্নুনা ইবুংঙো মাবু মুৎশিবগা লোইননা সেবা তৌই, অমস্তুং মহাক্না মাগী ভক্তশিংদা অশেংবা (অচুম্বা) ভক্তিগী মরম পাওতাক পীবি অত্নুন ওইবা শ্রীচৈতন্য ইবুং ডাবু এগী মিং অসিনা উত্তবা ফংঙকখিগদা'? শ্লোক অসিগী অর্থ অসি পযার মথক অমস্তুং মথাদ লৈনিবা অসিগা করিব্নু নবা লৌতে। রামটপুনগী লাম-বিল, অতৈ আতোপ্পা কবিশিংনা লাইরিক্তসু শ্লোক অসি উবা ফংদে। অর্থ চুনদবা শ্লোক অসি কবিরাজ গোস্বামীনা মযম অসিদা থাঙ্গৎলনগনি নীংদে। মরম অত্তুনা ঐরে যম্ন শ্লোক অসি মবন চানা ইজদবে।

৫২। মথক্তা পয়ারদা হাঙ্গীথরে, শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অঙ্গ উপাঙ্গনা মাগী লাম্মী অমস্তুং খুৎলাই ওম্না শিজিন্নৈ। হাঙ্গীরিবা ভাব অসিনা খঙনরিবা অতোপ-অতোপ্পা অবতারদ চক্রনচিংবা খুৎলাইনা মাগী থবক পাঙ্গথাকপা অত্নু হন্দক্তা অবতার অসিদদি অঙ্গ—উপাঙ্গনা অঙ্কবপগী মশক ওইনা থবক পাংথোকই; মরম অত্নুনা অঙ্গ—উপাঙ্গবু খুৎলাইনি হাঙ্গনরিবনি। মথৌ—হিংচাবা মাঙহনবা। অঙ্গোপাঙ্গনা—মনাইগা নাইথাংগনা

তথাহি (ভা ১০।১৪।১৪)

নারায়ণস্ত্বং ন হি সর্ব্বদেহিনামাত্মাস্যধীশাখিল লোকসাক্ষী।
নারায়ণোঽঙ্গং নরভূজলায়নাত্তচ্চাপি সত্যং ন তবৈব মায়া ॥১৪

জলশায়ী অন্তর্য্যামী যেই নারায়ণ।
সেহো তোমার অংশ, তুমি মূল নারায়ণ ॥৫৪

অর্থ

ঈশিংদা চেপ্রিবা অন্তর্য্যামী নারায়ণদু।
নংগী অংশনি নংনা মরূনি ওহাক অদু ॥৫৪

গোর-কৃপা টীকা

: থকী পযার পুম্নমক্কা খুংশখে ও —মাই নচিবা হবচাংগী শককপ্ অঙ্গ কৌই হাঙ্গন। অর্থ লোখৎব। লৌকিক অম্প অঙ্গ শব্দগী অতোপ্পা অর্থ অমন সঙ্গোপাঙ্গাস্ত্র—পাযদ নি হাঙ্গনা ফো' দোক্লি। খডননবগীদনক গ্রন্থকানা হাঙ্গবি "অঙ্গ-শব্দগী অতোপ্পা অর্থ সমস্ত লৈ, ঙাবিগ্।"

৫০ অঙ্গ শব্দগী অতোপ্পা অর্থ অমা কয়িনা হাঙ্গবা উচ্চবি অঙ্গ—শব্দগ অতোপ্পা অর্থ অমদি "অংশ" হাঙ্গবনি (মনাই হাঙ্গবনি) অদুগা অঙ্গগী অঙ্গ হঙ্গবন উপাঙ্গ (মনাইগী মনাই-নাইথাং) হাঙ্গবনি।

শস্ত্রগী—প্রমন্থি—শাস্ত্রদা হাঙ্গীব অঙ্গ-শব্দগী অাদি অংশ (মনাই, শক্তি হস্তনা সাইওন)। অঙ্গগী অঙ্গ—উপাঙ্গ মনাইগী মনাই, নাশথা, ভক্তগ ভক্ত হঙ্গবনি

অঙ্গ—শব্দগী অর্থ অসনি হঙ্গু শাস্ত্রন প্রমাণ পীরক উ নমন দংন "নারায়-স্ত্বমসি দ" শংদ ভগবংগী শ্লো। পাংচ্চবি।

শ্লো ১৪ অন্বয়ংচিবা পাংগিশা অংশ অন ।শ্লে [illegible] যেবি শ্লোব উসিগী "নারায়ণোঽঙ্গং" শংদগ অঙ্গ—শব্দ। অং শ হঙ্গনি

৫৪ পয়াব অসিদ শ্লোকশা যাওনিবা "নারায়ণস্ত্বং নরভূজলায়না" বাক্যগী তর্ক বিচার তৌদুনা অঙ্গ শব্দগী অর্থ তৌদনি।

ঈশিংদা চেপ্রিবা—ঈশিংদা তুম্নবা। কারণার্ণবশায়ী পুরষ, গর্ভোদশায়ী পুরুষ অমসু ক্ষীরোদশায়ী পুরষ, পুরুষ মপা) অংশ সি ঈশিংদা তুম্নবনি। মসি শ্লোকক যাওরিবা "জলায়ন শব্দগী অর্থনি। অন্তর্য্যামী—পর্কাগী অন্তর্য্যামী (কারণার্ণবশায়ী), ব্রহ্মাণ্ডগী অন্তর্য্যামী (গর্ভোদশায়ী) অমসুং জীব খুংদিগী (ব্যষ্টিজীবগী) অন্তর্য্যামী

'অঙ্গ' শব্দে অংশ, কহে, সেহো সত্য হয়।
মায়া কার্য্য নহে—সব চিদানন্দময়।৫৫
অদ্বৈত নিত্যানন্দ—চৈতন্যের দুই অঙ্গ।
অঙ্গের অবয়বগণ কহিয়ে 'উপাঙ্গ'—॥৫৬

অর্থ

'অঙ্গ'গী অর্থ অংশ হায় মহাকসু সত্যনি।
মায়াগী থবক নত্তে—সচ্চিদানন্দময়নি।৫৫
অদ্বৈত নিত্যানন্দ—চৈতন্যগী হকচাংনি।
হকচাংগী হকচা খিবিকপু নাইথাং কৌবনি।৫৬

গৌর-কৃপা টীকা

হায়রিবদি পরমাত্মা (ক্ষীরোদশায়ী)। পুরুষ (নাপা ...হুম অসিগী সাধারণ ...মি নারায়ণ কৌই। মখেই অসি শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি, ...ৈইংসু, ...শ্রান্ধী ...দা "নারায়ণাহঙ্গং" হায়দা নারায়ণবু শ্রীকৃষ্ণনা অঙ্গনি হায়রে। বাক্তাং অসিদা খঙনরিবদি অংশগী অর্থগা অঙ্গগী অর্থগা ...ন্ননা শিংজয়রে। অঙ্গ—অংশ (হকচাং)। ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণদা হায়খি—ঈশিংদা লৈরিবা ইবুংঙো অদুনা জীবগী থমোইদা অন্তর্যামি ওইনা লৈ, মহাক নারায়ণনি, ...ৈইংসুবসু মহাক্কী নগী হকচাংনি (অঙ্গনি, অংশনি), মরম অদুনা নংনা নারায়ণ ...কনি, মরম অসিদগী নংনা অদুম ওইনা নারায়ণ ...গীসু মরম্নি।" অনিশুবা ...গী শ্লোক অসী টীকাদা যেংবিয়।

৫৫। নারায়ণবু বিভু—শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি হায়খবে; অদুগা ঈশিংদা লৈবা নারায়ণবু জীবগী থমোইদা লৈ অসিসু হায়খরে, মাসিনা খঙনরিবদি, মহাক্কী মায়িক (মায়াগী) পোৎ মতৌগুম্বা ওমথে নাইবনি হায়রিবা খঙনে। তৌইগুম্বসুং বিভু (লাই) ওইনা পোংবা অংশসু বিভু (লাই) ওইগনি। অদু ওইরবদি নারায়ণ অসি মায়াগী পোৎ ওইরমা? পাওখুম— ওইদে, নারায়ণ মায়িক নত্তে, মহাক মুংঙাইদুনতা লৈবা (চিদানন্দময়নি), নিত্যনি, সত্যনি। মহাকসু—শ্রীকৃষ্ণগী অংশ নারায়ণসু। সত্যনি—লেতবা, মাঙবা অবেম্মনি।

সচ্চিদানন্দময়নি—শ্রীনারায়ণ সাচ্চিদানন্দময়নি। মায়াগী পোৎ নত্তে।

৫৬। হকচাং (অঙ্গ)গী অর্থ "অংশ" ওইবা য়াই, মাসিগী মরমদা শাস্ত্রদা প্রমাণ উতলুনা "কৃষ্ণবর্ণং ত্বিষাকৃষ্ণং" শ্লোকী "সাঙ্গোপাঙ্গাস্ত্রপার্ষদম য়াইদা কলি অৱতার শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী অঙ্গ (হকচাং হায়রিবদি অঙ্গ) কনা কনানো হায়রিবসু হায়জবি। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী

অঙ্গোপাঙ্গ তীক্ষ্ণ অস্ত্র প্রভুর সহিতে।
সেই সব অস্ত্র হয় পাষণ্ড দলিতে।৫৭
নিত্যানন্দ গোসাঞি—সাক্ষাৎ হলধর।
অদ্বৈত আচার্য্যগোসাঞি—সাক্ষাৎ ঈশ্বর ॥৫৮

অর্থ :—

অথোবা খুংলাই ওইদুনা হকচাংগা নাইথাঙ্গনা
পাষণ্ডীবু লাকশিল্লি খুংলাই—ময়াম অদুনা ॥৫৭
নিত্যানন্দ গোসাঞি—সাক্ষাৎ হলধরনি ।
অদ্বৈত আচার্য গোসাঞি সাক্ষাৎ ঈশ্বরনি ॥৫৮

গৌর-কৃপা-টীকা

অঙ্গ (হকচাং) অনিনি, মাদুদি শ্রীঅদ্বৈত অমসুং শ্রীনিত্যানন্দ। অদুগা শ্রীঅদ্বৈত অমসুং শ্রীনিত্যানন্দগী অঙ্গ {(হকচাং, অংশ) না মখোয়গী তুংইল্লিবা ভক্ত পম্মক্লি} মখোয়গী মনিংবু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী উপাঙ্গ (নাইথাং) কৌই; শ্রীবাসানচিংবা ভক্তখিবিকপু নাইথাং (উপাঙ্গ) নি হায়না খঙনৈ।

৫৭। অথোবা খুংলাইগী মশক ওইবা হকচাংগা নাইথাঙ্গনা (শ্রীঅদ্বৈত নিত্যানন্দ—শ্রীবাসানচিংবা ভক্ত ময়াম অদুনা) মতম লৈবা খিবিক্তা মহাপ্রভুগা লোয়নদুনা লৈ। ময়াম অদুনা (অদ্বৈত-নিত্যানন্দনচিংবনা) পাষণ্ড (পাপী ফত্তবা মী) লাকশিনবদা খুংলাইগুম্না থবক তৌই।

শ্রীঅদ্বৈত—নিত্যানন্দ—শ্রীবাসানচিংবা মনাই নাইথাংনা (অঙ্গ-উপাঙ্গ) পাষণ্ড লাকশিনবদা খুংলাইগী মতৌগুম্মি; মখোয়গী অঙকপা মগুম্না পাষণ্ডগী ফত্তবা পুক্কিং কোকহল্লি, কোকহল্লবা মতম অদুদদি মখোয়সু অথোইবা ভক্ত ওইরকই। অথোবা খুংলাই হায়কবগী মথমদি—শ্রীভগবানগী অথোইবা খুংলাইগী মমাংদা হিংচাবাশিংনা চেনবা ঙমদে, হেক্না মহাংলে; অদুগা মদুনা শ্রীঅদ্বৈত—নিত্যানন্দনচিংবগী অঙকপা মগুম্না পাষণ্ডশিং অদু চেনবা ঙমদে, মখোয়গী অঙকপা মগুম্না পাষণ্ডীগী ফত্তবা পুক্কিং অদু থাদোক্লুনা অথোইবা ভক্ত ওইরকই।

৫৮। শ্রীঅদ্বৈত—নিত্যানন্দনা মতৌ করম্না শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অংশ ওইবিবনো হায়বদু কোংদোকচবি। শ্রীনিত্যানন্দ ব্রজলীলাগী শ্রীবলদেব স্বয়ংনি, অদুগা শ্রীঅদ্বৈতদি মহাবিষ্ণু অবতারনা ওইবনি। স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওই; শ্রীবলদেবদি শ্রীকৃষ্ণগী

শ্রীবাসাদি পারিষদ-সৈন্য সঙ্গে লঞা।
দুই সেনাপতি বুলে কীর্ত্তন করিয়া ॥৫৯
পাষণ্ড—দলনবানা নিত্যানন্দ রায়।
আচার্য্য-হুঙ্কারে পাপ-পাষণ্ডী পলায় ॥৬০

অর্থ :—

শ্রীবাসা-নচিংবা লাম্মাশিং লোইনদুনা।
সেনাপতি অনিনা কোঙ্গ কীর্ত্তন তৌদুনা ॥৫৯
নিত্যানন্দ ইবুংঙোনা পাষণ্ড লাকশিল্লী।
আচার্য্যগী হুঙ্কারনা পাপ—পাষণ্ডী চেন্নী। ৬০

গৌর-কৃপা টীকা

বিলাসরূপ অংশনি, অদুগা মহাবিষ্ণুনা মহাকী অংশনি। এমম অদুনা শ্রীনিত্যানন্দ অমসুং শ্রীঅদ্বৈতসু শ্রীচৈতন্যগী অংশনি।

সাক্ষাৎহলধর - স্বয়ং বলদেব। সাক্ষাৎ ঈশ্বর—মহাবিষ্ণু অবতার; স্বয় মহাবিষ্ণুনা অদ্বৈত ওইদুনা অবতীর্ণ ওই।

৫৯। নাইথাং (উপাঙ্গ) গী মরী-মখোং পীজনি। শ্রীবাসা-নচিংবা লোইনবিবা ভক্ত পুম্নমকপু শ্রীনিত্যানন্দ—অদ্বৈতগী তুং ইল্লা হাঙ্গৈদুনা। (শ্রীনিত্যানন্দাদ্বৈতগী হকচাংনি হাঙ্গৈদুনা) মখোয়বু নাইথাং (উপাঙ্গ) কৌঙ্গ সেনাপতিগী মথং মতুংইন্না লাম্মীশিংনা খুংলাই হাঙ্গৈদুনা যেক্রবদু মাঙহল্লি অদুগুমদুনা শ্রীনিত্যানন্দগা শ্রীঅদ্বৈতগা অনিগী মথং ইঙ্গিং মতুংইন্না শ্রীবাসানচিংবা লোইনবিবা ভক্তশিংনা সঙ্কীর্ত্তন তৌদুনা পাপী অমসুং পাষণ্ড-শিংগী পাপ অমসুং পাপ তৌনীংবা বাখন চত্থ মাঙহল্লী। মরম অদুনা শ্রীনিত্যানন্দ অমসুং শ্রীঅদ্বৈতবু সেনাপতি হাঙ্গৈবিবনি অমসুং শ্রীবাসানশিংবুনা লাম্মী হাঙ্গৈবিবনি; শ্রীনাম সঙ্কীর্ত্তন্না মখোয়গী খুংলাইনি। সেনাপতি—লাম্মীগী মকোক। সেনাপতি অনি—শ্রীনিত্যানন্দগা শ্রীঅদ্বৈতগা।

৬০। পাষণ্ড—বেদগী মা লৌদবা কাংবু, অপঙবনা কুপশিল্লবা জীবশিং অদুনা নারায়ণ নত্তবা অতোপ্পা লাইবু পনতত্ব (লাইগী মকোক) নি জগৎনা নীংফম ওই হাঙৈনা মপুক্লিংনা নীংভি, মখোঙ্গীশিং অদু পাষণ্ডনি। "যেহন্য দেবং পরত্বেন বদন্ত্যজ্ঞানমোহিতাঃ। নারায়ণং জগদ্বন্দ্যং তে বৈ পাষণ্ডিনস্তথা। শব্দকল্পদ্রুমধৃত পাদ্মোত্তরখণ্ড-বচন। ৪২॥"

পাষণ্ড লাকশিল্লী—(পাষণ্ড-দলন-বানা)-ফত্তবা মীগী কত্তবা পুকচেল অদু কোকহল্লী। ইবুংঙো—অথোইবা খংনবা রাহে (রায়)। নিত্যানন্দ ইবুংঙোগী কীর্ত্তনগী অঙকপা গুণা

সঙ্কীর্ত্তন প্রবর্ত্তক শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য।
সঙ্কীর্ত্তন—যজ্ঞে তাঁরে ভজে সে-ই ধন্য ॥৬১

অর্থ

শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যনা সঙ্কীর্ত্তন হৌদোকপনি।
মাবু সঙ্কীর্ত্তন্না ভজন তৌবা—নীংবা থুংবনি ॥৬১

গৌর-কৃপা টীকা

পাষণ্ড পূম্নমক অদু হান্না মশা-মশাদা ফত্তবা পুকচেন চেল্লগা অদু (বেদগী য়া লোৌদনা, নাস্তিকবাদ অমসুং শ্রীনারায়ণ নত্তবা অতোপ্পা লাইবু অথোইবা ওইনা নীংবা অদু থাদে এহন্দুনা) সঙ্কীর্ত্তনদা ওয় ওনশিলহল্লী অমসুং শ্রীকৃষ্ণ-প্রেমদা লুপহল্লী।

আচার্য্য—অদ্বৈত আচার্য্য। হুঙ্কার—লাউবা, প্রেম্না মথাই কাননকুনা মচিন্দগী হরিনাম লাউথোরকপা; 'জয়রাম' হাঙ্গনা যাম্না লাউনা হাঙ্গদোরকপা। পাপ—পাষণ্ডী চেল্লা—শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যনা প্রেমগা লোয়ননা হরিনাম-বু যাম্না লাউনা হাঙ্গদোকরকই (লাউথোকরকই) মাদু তাবদা পাপীগী পুক্নিংদা লৈবল্লা পাপ অমসুং পাষণ্ডনা শাস্ত্র থাজবমদবা অদু লপা চেনখি (কোকখি)। অতোপ-অতোপ্পা অবতারগী মতৌগুম্না শ্রীনিত্যানন্দগা শ্রীঅদ্বৈতগদি পাপী পাষণ্ডবু তাত্তে, হাৎপগী মহুৎতা ইবুংঙো অনিগী শুদ্ধকপা শক্তিগী শুদ্ধা মথোঙ্গী শংপনচিংবা ফত্তবা পূম্নমক কোবহন্দুনা মথোঙ্গবু অথোইবা ভক্ত (পরম ভাগবত) ওইহল্লী। মাসি ফাওবদা "কৃষ্ণবর্ণং" শ্লোকা সাঙ্গোপাঙ্গাস্ত্রপার্যদম রাহৈগী অর্থ লোইজরে

৬১। মফম অসিদা "কৃষ্ণবর্ণং" শ্লোকী 'যজ্ঞৈঃ সঙ্কীর্ত্তন প্রায়ৈর্যজন্তি হি সুমেধসঃ" শক্তক অসিগী অর্থ তৌজরি—পয়ার পরেং অসিদা।

সঙ্কীর্ত্তন হৌদোকপনি অসিনচিংবা—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যন ইহান-হানবদ সঙ্কীর্ত্তন পুহে কপনি (হৌদোবপনি)। অসিগী মমাংদা মী ময়াম তিন্নহুনা শ্রীশ্রীনাম সঙ্কীর্ত্তন তৌবগী নিয়ম পথাপ অসি চৎনবমদে। শ্রীমন মহাপ্রভুনা ইহান হানবদা মাসি চৎনহনখি। মরম অদুনা ইবুংঙো মাবু সঙ্কীর্ত্তনগী মপানিস্থ হাঙ্গনৈ। মপানা মচাদা মুংশিবদি মহোশানি অদুনা শ্রীশ্রীনাম সঙ্কীর্ত্তন অসিবু শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যনা য়াম্না পেনবি; মরম অদুনা সঙ্কীর্ত্তন অসিনা মচাক ওইহনা ইবুংঙো মাবু নীংজরবদি (ভজন তৌরবদি) যাম্না পেনবিথরে। পেনবিবা অসিনা মরম ওইহনা সঙ্কীর্ত্তন তৌজরিবা মী অদুগী নীংজবা পূম্নমক থু হনবি।

মফম অসিদা "কৃষ্ণবর্ণং" শ্লোক্তা যাওরিব। "যজ্ঞৈ সঙ্কীর্ত্তন প্রায়ৈঃ" রাহৈগী অর্থ অদুনা কবিরাজ গোস্বামীনা "সঙ্কীর্ত্তন যজ্ঞ" শব্দ শিজিন্নবে, মরম অদুনা সঙ্কীর্ত্তন-যজ্ঞ

সে-ই ত সুমেধা, আর কুবুদ্ধি সংসার।
সর্ব্ব যজ্ঞ হইতে কৃষ্ণনামযজ্ঞ সার॥৬২
কোটি অশ্বমেধ এক-কৃষ্ণনাম সম।
যেই কহে, সে পাষণ্ডী, দণ্ডে তারে যম।।৬৩

অর্থ :—

মহাক অদু অশিংবনি অতৈদি অপঙবনি।
যজ্ঞ খিবিক্রগী কৃষ্ণনাম যজ্ঞনা মরূনি॥৬২
অশ্বমেধ কেটিগা কৃষ্ণনাম অমগা মান্নে।
হাঙ্গীকরবদি মী অদুবু যম্মা লাক্লে ।। ৬৩

গৌর-কৃপা টীকা

শব্দগী অর্থদি "সঙ্কীত্তন্না নকুওইবা মচাব ওইবা"। মতাং অসিগী ১১ শুনা শ্লোকী ব্যাখ্যাদা যেংবিযু।

৬২। পয়ার অসিদা সঙ্কীত্তনগী মগুণ মাহাত্ম্য ফোংদোকপা মী অদুনা সঙ্কীর্ত্তন্না মরূ ওইবা মচাব ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু নীংজনবদি, মহাক অদু অশিংবনি, অসি নত্তবা সংসাব আত পুন্নমকপুদি বুদ্ধি ফত্তবা (কুবুদ্ধি) অপঙবনি, মবম অসিনা যজ্ঞ মখল পুন্নমক্কী মন্নুংদা শ্রীকৃষ্ণ নাম সঙ্কীর্ত্তনগী যজ্ঞনা অথোইবনি। অপঙবা—বুদ্ধি লৈত্ত নাম যজ্ঞনা-শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যগী পেন্নবগী মবমদা লৈবিবা সেবা মখল কয়াগী মন্নুংদা শ্রীনাম সঙ্কীত্তন্না থাইদগী অথোইবনি; মরম অদুনা মী অদুনা নাম-সঙ্কীত্তন অসিনা ইবুংঙো মাবু নাংজন্নবদি মী অদুগী বুদ্ধি অদু অক্কবা কৌই থাগংনফম্নি; অদুগা কনাগুম্বা মীশিং অদুনা নাম সঙ্কীত্তন অসিনা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য নীংজনবদি মথোঙ্গীগী বুদ্ধি অদু ফত্তবা বুদ্ধি (অপঙবা) নি, মবমদি মথোঙ্গীনা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী পেন্নবা ভোবা ছমদে। কৃষ্ণবর্ণং" শ্লোকা সুমেধস" গী অর্থ ফোংদোকচবে।

৬৩। শ্রীনাম সঙ্কীত্তনগী মগুণ (মহাত্ম্য) অমুকস্থু ফোংদোক্নি, অশ্বমেধ যজ্ঞ কোটি কোটিরক হন্না তৌবগী ফোলগস্থু (ফল) শ্রীকৃষ্ণ-নাম অমুক্তং শোনবগী ফোলগা মান্নদে; কনাগুম্বনা মান্নে হাঙ্গীরবদি মহাক অদু পাষণ্ডনি, নামগী মগুণবু হন্থনা নীংবগীদমক যমরাজনা মহাকপু নরক্তা অরানা পীদুনা লাক্লে।

অশ্বমেধ—যজ্ঞ মখল অমনি। যজ্ঞ অসিদা, অথন্নবা খুদম লৈবা, শগোল অমবু অশেংবা ঈশিংনা ঈকজাথাকপিরগা মহাক্কী মন্নাইবক্তা জয়পত্র ফিরাল থেন্দুনা মাইকৈ

গৌর-কৃপা টীকা

মশ্নিদা থাদোকৃই। শগোল অত্থু ভাক্লনবগীদমক অখন্নবা মীনা মতুং ইন্না॥ চহি অমা ফাওবা মনিং তৌনা বোঙ্গইহন্নী। চহি অমগী মতুংদা শগোল অত্থু যুমদা পুশিল্লকৃই। চহি অত্থুগী মন্নুংদা কনাগুম্বনা শগোল অত্থুবু ফাত্থনা থম্নুরবদি ল'ল তৌত্থনা মাঙ্গথীবা পীবগা পুবকৃই। চহিগী অবোইবদা শগোল অত্থু পুবক্লগা নিযমগী হৌনবী মত্থু ইন্না হাংলগা মাঙ্গী মশা অত্থু মৈদা হোম তৌই। মাহুন্না তৌবা অসিবু অশ্বমেধ যজ্ঞ কৌই। হৌনবী মতুংইন্না শগোল অত্থুগী মঙবৃশম্ বকৃপা মতমদা কন্নিগুম্বা ঈ অম'ং থোব ক্রু, ঈগী মত্থুংতা শঙ্গোম্ অনৌবা ওইনা থোবকৃই।

অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌবগী মহৈ (ফল) গী ১ব্নমদা পদ্মপুরাণ। পাতাল খণ্ডদগী খঙবা ভম্মা। অগস্তি মুনিনা শ্রীরামচন্দ্রদা হাঙ্গিরম্মী, নিযমগী মতুংইন্না অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌববদি পাপ পুম্নমক বোকৃই। "এবং প্রকুর্ব্বত, কর্ম্ম যজ্ঞঃ সম্পূর্ণতা গতঃ। করোতি সর্ব্বপা পানাং নাশনং রিপুনাশন॥৪।১৯১। অশ্বমেধ যজ্ঞ হাঙ্গিরসি বেদগী কর্ম্মকাণ্ডগী মন্নুংচপ্রা। কর্ম্ম তৌনা মন্ত্র শোনবদা স্বর-নচিংবা কাযবদা ভাকপিযু হাঙ্গিত্থনা হাঙ্গিজবা, তত্থগী মতুং-ইন্না শোঙ্গখিবা পুম্নমকপু ভাকপিযু হাঙ্গিত্থনা হাঙ্গিজবা, দেশকাল—পাত্র নচিংবা হাঙ্গিজবা, পাং তমসং দাক্ষণানচিংবগী মরমদা হাঙ্গিজবা—অসিনচিংনা ভাকপিযু হাযনা হাঙ্গিজবা পুম্নমক অসি তঙবা য়াদে (তোকপা হৌনদে)। হাঙ্গিজবা পুম্নমক অসি তৌহৌদ্রবদি কবিগুম্বা থবক অমও মহৈ লৈত্রে। নবম অত্থুনা হাঙ্গিজবা পুম্নমক অসি পাংথোরবগীদমক থৌবম খুদিংমক্তা অহাবা (অশোয়বা) অমও লৈহন বা যাদে। মপ্থ শোনবস্থ শাঙ্গহন বা য়াদে। ছিদ্র লৈবা যাদবা মন্ত্র অসিস্থ হরিনাম সঙ্কীর্ত্তননি—অাং করিস্থ নাদে। 'মন্ত্র-তন্ত্রতশ্ছিদ্রং দেশকালাহবস্তুতঃ। সর্ব্বং করোতি নিশ্ছিদ্রং নামসঙ্কীর্ত্তন তব॥ শ্রী। ভা ৮।২৩।১৬॥ মাসিনা খঙবা ঙম্নিবদি, নামসঙ্কীর্ত্তনগী মতেং নত্তনা (য়াওদনা) অশ্বমেধ যজ্ঞ নচিংবা তৌবদা মহৈ (ফল) চপ চানা ফবা ঙমদে। তত্থুগা কর্ম্ম পুম্নমক্কী মহৈ পীবিরিবস্থ শ্রীকৃষ্ণনি, কর্ম্ম (থবক) মশানা কন্নিগুম্বা মহৈ অমতা পীবা ঙমদে। "ফলম অত :—উপপত্তেঃ। ব্রহ্মসূত্র। ৩।২।৩৮॥ স বা এস মহান অজ আত্মা অন্নাদো বসুদানঃ। বৃহদারণ্যক। ৬।৪।২৪॥ অহং হি সর্ব্বযজ্ঞা-নাং ভোক্তা চ প্রভুরেব চ। গী, ৯ ২॥" মহয় পীবিনবগী শক্তি অসি ভগবান্না মহাক্কী নামগী মন্নুংদা চঙত্থনা লৈ। অত্থুগা নামগা মশাগস্থ কন্নিস্থু খেন্নবা লৈতে হাঙ্গিত্থনা নামী ভগবানগী শক্তি (পাঙ্গল। পুম্নক অত্থু নাম-দস্থ শক্তি পুম্নমক অত্থু লৈ, কন্নিগুম্বা যজ্ঞনা চিংবদদি লেতে। মবম অসিনা নাম অসিনা থবক পুম্নমক্কী মহয় পীবিনবগী মরমদা মিচং-মিথাই নাইদনা পাঙ্গল চপ্ চানা লে।

গৌর-কৃপা টীকা

"দানব্রততপস্তীর্থক্ষেত্রাদীনাঞ্চ যাঃ স্থিতাঃ । শক্তয়ো দেবমহতাং সর্ব্বপাপহরাঃ শুভাঃ ॥ রাজসূয়াশ্বমেধানাং জ্ঞান স্যাধ্যাত্মবস্তুনঃ আকৃষ্য হরিনা সর্ব্বাঃ স্থাপিতাঃ স্বেষু নামসু ॥ — দান, ব্রত, তপস্যা, তীর্থযাত্রা অসিনচিংবদা, লাই (দেবতা) অমসুং সাধুশিংদা, রাজসূয় যজ্ঞ অমসুং অশ্বমেধ যজ্ঞনচিংবদা পাপ কোকপা ঙম্বগী শক্তি পুম্নমক লৈ, শ্রীহরিনা শক্তি পুম্নমক অদু মাগী নাম পুম্নমক্তা শন্দোক্না হাপখরে । হ,ভ,বি, ১১।১৯৬ ধৃত স্কান্দবচন।" থবক পুম্নমক অসিগী মহৈনসু শ্রীহরিগী নামকীর্ত্তন তৌবগী মহৈগী শরুক চানাগী শরুক অমগসু মান্নবা নত্তে । "গোকোটিদানং গ্রহণে খগস্য প্রয়াগসঙ্গোদক কল্পবাসঃ । যজ্ঞাযুতং মেরুসুবর্ণদানং গোবিন্দকীর্ত্তের্ন সমং শতাংশৈঃ ॥ — সূর্য্যগ্রহণগী মতমদা (নুমিৎতাগ্রহণ তৌরিঙৈদা) ষণ কোটি অমা দান তৌজবা, প্রয়াগ গঙ্গা মপান্দা চহি কল্প অমা লৈবা, যজ্ঞ কোটি অমা তৌবা সন্নানা সনজীং (চীং) গা মান্নবা য়াম্বা দান তৌবা— পুম্নমক অসিগা গোবিন্দ-নামসঙ্কীর্ত্তনগী শরুক চামা থোক্পগী শরুক অমগসু মান্নদে । হঃ ভ বি, ১১।১।৮।৬॥ মথক্তা হায়খিগুবা স্কন্দ পুরাণগী শ্লোকচিংবদা দান, ব্রত, রাজসূয়, অশ্বমেধচিংবা যজ্ঞ পাপ কোক্পা ঙম্বগী রা হাঈজখরে । পুম্নমক অদুদি প্রয়শ্চিত (দণ্ডি) তৌবগী রানি । কষ্ম কাণ্ডগী মনুংচনবা প্রায়শ্চিত অসি তৌরবদি মতুংদসু কনাগুম্বনা অমুকহন্না পাপ্তা লুপ্পা, উবা ফংভি । মরম অসিনা থবক পুম্নমক অসি তৌবনা পাপকী মরূ ফুক্তোকপা ঙমদে হাঈবসি খণ্ডবা ঙম্মী, তৌইগুম্বসুং শ্রীহরিনামগী রাদি কনানা শিঙখাবা ঙমগনি, নাম অসিগী মমিদা তাবদা নাম শোল্লগে হাঈনা নীংবদা হৌরকপদা পাপ পুম্নমক মরূ ফনা ফুপ্তোক্‌না চেনখি : অদুনা বৈকুণ্ঠ ফংবা ঙম্মী, মাতুগী প্রমাণদি অজামিলনি । নামগী মহৎসদি অসিদসু নত্তে । নাম অমুক শোনবগী মহৎনা কৃষ্ণপ্রেম অমসুং কৃষ্ণসেবা ফাওবা ফংবা ঙম্মী, অশ্বমেধনচিংবা যজ্ঞ কোটি কোটি তৌবনা মহৎ অসি ফংবা ঙমদে । "কৃষ্ণনাম অমনা পাপ পুম্নমক কোকহল্লী । মহাক্তা প্রেমগী পোকফম ভক্তি ফোংদোকহল্লী, প্রেম ফাওরক্লবদা প্রেমগী খুদম লাকই । হুমাং শৌবা নিকপা তুপ্চুংবা পিতাবা তৌই ॥ সংসার কোকই কৃষ্ণসেবা ওগী ইলাইলাইনা । অম্তুক য়াম্বা লল সি ফংই কৃষ্ণনাম অমনা ॥ ১।৮।১২-২৪ ।" য়াম্না লাক্লে— য়াম্না দণ্ডি পী । অশ্বমেধ যজ্ঞগী মহৎগা কৃষ্ণনামগী মহৎগা মান্নে হাঈনা চাংদম্নরবদি নামগী মগুণ ময়েং তাহল্লী হাঈহুনা নামাপরাধগী মগুং চন্না লৌই । নামদা অপরাধ তৌবগীদমক য়রা লাক্লে । অপরাধ—লঙজবা, দোষ ।

ভাগবতসন্দর্ভ গ্রন্থের মঙ্গলাচরণে।
এই শ্লোক জীব গোসাঞি করিয়াছেন ব্যাখ্যানে ॥৬৪

অর্থ :—

ভাগবতসন্দর্ভ লাইরিকী মঙ্গলাচরণদা।
শ্লোক'সি জীব গোসাঞিনা ফোংদোক্লি ব্যাখ্যান ॥৬৪

তথাহি ভাগবতসন্দর্ভ (১।২)—
অন্তঃ কৃষ্ণং বহির্গৌরং দর্শিতাঙ্গাদি বৈভবম।
কলৌ সঙ্কীর্ত্তনাদ্যৈঃ স্ম কৃষ্ণচৈতন্যমাশ্রিতাঃ ॥১৫

গৌর-কৃপা টীকা

৬৪। মথক্কী পয়ার শুমমক্কা কবিরাজ গোস্বামীনা "কৃষ্ণ বর্ণং ত্বিষাকৃষ্ণং" শ্লোকী ব্যাখ্যা তৌখিবা অতুগুম্বা ভাগবতসন্দর্ভগী মঙ্গলাচরণদা "অন্তঃ কৃষ্ণ বহির্গৌরং" অসিনচিংবা শ্লোক ব্যাখ্যাস্তু শ্রীজীব গোস্বামীচরণনা তৌবি। মা অসি পয়ার অসিদা হাঙ্গৈরি।

ভাগবত সন্দর্ভ—তত্ত্ব-সন্দর্ভ, পরমাত্মা সন্দর্ভ, ভগবৎ-সন্দর্ভ শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভ, ভক্তি-সন্দর্ভ অমসুং প্রীতি-সন্দর্ভ লাইরিক তরুক অসিগী চংনবা মমিংবু ভাগবত-সন্দর্ভ কৌই, অতোমা মমিং অমনা ষটসন্দর্ভ (সন্দর্ভ তরুক) কৌই। সন্দর্ভ শুকপ অসি গৌড়ীয়-বৈষ্ণব-ধর্ম্মগী দার্শনিক লাইরিক্লি; শ্রীজীব গোস্বামীনা লেংবনি।

শ্লোক'সি—"কৃষ্ণবর্ণং ত্বিষা কৃষ্ণং" শ্লোক অসি। ব্যাখ্যাদা—শ্রীজীব গোস্বামীনা ষটসন্দর্ভগী মঙ্গলাচরণদা "অন্তঃকৃষ্ণং বহির্গৌরং" অসিনচিংবা শ্লোকক্তা কৃষ্ণবর্ণং ত্বিষা-কৃষ্ণং শ্লোকী মর্ম্ম ফোংদোক্লী।

শ্লো ।১৫। অন্বয়। কলৌ (কলিযুগতা) অন্তঃ কৃষ্ণং (মমুংদা মুবা) বহির্গৌরং (মপান্দা ঙৌবা) দর্শিতাঙ্গাদি-বৈভবং (হকচাংনচিংবনা মশাগী বৈভব ফোংদোকপা কৃষ্ণচৈতন্যং (শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যবু) [বয়ং] (ঐখোয়না) সঙ্কীর্ত্তনাদ্যৈঃ (সঙ্কীর্ত্তনা অথোইবা যজ্ঞ ওইদুনা) আশ্রিতাঃ স্মঃ (চংজরি।

অনুবাদ। মহাক্কা মমুংদা মুবগা অদুগা মপান্দনা ঙৌবগা অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী হকচাংনা (শ্রীনিত্যানন্দ, অদ্বৈত শ্রীবাসনচিংবা মশক ওইদুনা) মশাগী মগুণ ফোংদোক্লিবা অদুম ওইবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু ঐখোয়না কলিযুগতা পূজাগী মরমদা সঙ্কীর্ত্তনা অথোইবা ওইদুনা খুরুমজরি, চংজরি ।১৫।

উপপুরাণেহ শুনি শ্রীকৃষ্ণ বচন।
কৃপা করি ব্যাস প্রতি করিয়াছেন কথন ॥৬৫

অর্থ :

কৃষ্ণগী যাথ হন্না তারি উপপুরাণ।
কৃপা তৌবিদুনা ব্যাসপিথি হায়কী ফঙদা ॥৬৫

তথাহি উপপুরাণে

অহমেব ক্বচিদ ব্রহ্মন সন্ন্যাসাশ্রমমাশ্রিত।
হরিভক্তিং গ্রাহয়ামি কলৌ পাপহতান্নরান ॥১৬

গৌর কৃপা টীকা

শ্রীজাব গোস্বামীনা শ্লোক অসিদা শ্রীমদ ভাগবতকী "কৃষ্ণবর্ণং ত্বিষাকৃষ্ণং" শ্লোককী ব্যাখ্যা তৌরি। অমত্তবুদা শ্লোকদা মুনা, হাসি "কৃষ্ণবর্ণ" শব্দগী অর্থনি। বহি গৌর স্বরূপ ফংলদা ভৌবা (শ্রীরাধাগী মতৌব কচুথুরু অংগে হাঙ্গনা রাশক্তিনা তৌবা), মহক্কী হকচা তৌবা, মাসি 'ত্বিষাকৃষ্ণ' শব্দগী অর্থনি। দশিতাঙ্গাদি বৈভব—অঙ্গ (হকচা) থংহৈ অসিনা খঙনখিবদি শ্রীনিত্যানন্দ শ্রীঅদ্বৈত খঙনৈ, অদি—অসিনচিংবা ময়াম অসিন খঙনরিবনা শ্রীবাসানচি বনু খঙনৈ। উপাঙ্গ শব্দনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মচুপণবু খঙনৈ। হকচ অংনা (শ্রীনিত্যানন্দ অদ্বৈত) মায়াকা বৈভবপু উহল্লা, কোদোকই। শ্রীগৌরাঙ্গগী হকচা উজবদা মী পূম্নমক পাপ কক্কই, প্রেম ফংঙি।

৬৫। মথক্কী পয়ার অদা হাঙ্গজখরে, শ্রীকৃষ্ণনা কলিযুগতা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য ওইদুনা অবতীর্ণ ওই, পুরাণ আগমচি বা শাস্ত্রদা প্রমাণ পীবা উনা ফংঙি। মহাভারত অমসুং শ্রীমদভাগবত-নচিংবদগী মহাক্কী প্রমাণ উচ্চখরে, হৌজিক অমুক্ক উপপুরাণগী প্রমাণ উহনজবা হৌজরি। পয়ার অসিদা হাঙ্গরি—শ্রীকৃষ্ণনা করি কবিগুম্বা কলিযুগতা লম্নোইবগা পাপচেল্লবা জীবশিংবু হরিভক্তি চংহল্লী, শ্রীকৃষ্ণ মশামক্না মাহু ব্যাসদেবগী মফমদা হাঙ্গখ্রী; উপপুরাণগা মাহুগী প্রমাণ ফংঙি।

উপপুরাণ—ব্রাহ্ম-পুরাণচিংবা মহাপুরাণ অমানিপান নত্তবা দেবী পুরাণচিংবা অতোপ্পা পুরাণ পূম্নমক অদুবু উপপুরাণ কৌই। হাঙ্গবিদা অসিগী প্রমাণ ওইনা মথাগী "অহমেব" শ্লোক উচ্চরি।

শ্লো। ১৬। অন্বয়। হে ব্রহ্মন (হে ব্যাসদেব)' ক্বচিৎ কলৌ—(কবিগুম্বা কলিযুগতা) অহংএব (স্বয়ং এৈমক।) সন্ন্যাসাশ্রমং (লম্নোইবগী আশ্রমু) আশ্রিত (চঙজদুনা) পাপহতান (পাপনা-তাকনা) নরান (মীশিংবু) হরি ভক্তি (হরি ভক্তি) গ্রাহয়ামি, (লৌহন্নী, চংহন্নী) ।১৬

ভাগবত ভারত-শাস্ত্র আগম পুরাণ।
চৈতন্য কৃষ্ণ অবতারে প্রকট প্রমাণ ॥৬৬

অর্থ

ভাগবত ভারত-শাস্ত্র আগম খিবিক্লা।
শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীচৈতন্য ওইবা, তাক্লি ফোংনা ॥৬৬

গৌর-কৃপা টীকা

অনুবাদ। শ্রীকৃষ্ণনা ব্যাসদেবদা হায়রিবা, "হে বেদব্যাস! কলিযুগগী কলিযুগ। ঐ ইশানক্লা লম্বোইরগা পাপ্না যোম্লবা মীওইশিংবু হরি-ভক্তি চংহল্লি।"১৬

অহমেব-শব্দগী "এব" হায়রে অসিনা খংনবদি স্বয় শ্রীকৃষ্ণনা কলিযুগগী কলিযুগ অমদা লৈগত্তা অবতীর্ণ ওইরগা লম্বোইদুনা জীবদা হরিভক্তি দান তৌই, মহাক্কা কলিযুগগী অতোপ্পা মশক অমনা কলিদা অবতীর্ণ ওইরগা ভক্তি চংহনবা নত্তে। কচিং কলৌ— কলিযুগগী কলি অমদা, কলি পুম্নমক্তা নত্তে। শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজলীলা ফোংদোকপা দ্বাপর তাড়ুগী হেক তাইনবা মতুংগী কলি যুগতা হায়রিবা কলি অসিদা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য ওইদুনা স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ ওইরগা লম্বোইখি অমসুং জীবদা হরিভক্তি চংহনখি, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ইনুংঙো অসি স্বয় শ্রীকৃষ্ণ নত্রি। মাসি উপপুরাণগী প্রমাণ ওইরে।

৬৬। স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা কলি যুগতা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য ওইনা অবতীর্ণ ওইবা, শ্রীমদভাগবতনচিংবা পুরাণগা প্রমাণ পীরে, হৌক্তিক লাইবিব লেংলিবনা মশাগী সিদ্ধান্ত লোইশিল্লি। পয়ার অসিগী মর্ম্মদি :—স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইনা অবতীর্ণ তৌই হায়রিবসি শ্রীমদভাগবত, মহাভারত, উপপুরাণ অমসুং আগমনব শাস্ত্রগী রাহৈনা তশেং তশেংনা প্রমাণ পীরি

ভাগবত—শ্রীমদভাগবত। ভারত—মহ ভারত। পুরাণ-শ্রীভাগবত পুরাণচিংবা অমসুং উপপুরাণ। ফোংনা—খ্বাই থঙনা প্রমাণ পীদুনা "আসন বর্ণ স্ত্রয়োহস্য" অমসুং "কৃষ্ণবর্ণং ত্বিষা কৃষ্ণং" অনিনচিংবা শ্লোক অনি অসি শ্রীমদভাগবতকী প্রমাণনি। "সুবর্ণবর্ণো হেমাঙ্গ" শ্লোক অসিন, মহাভারতকী প্রমাণনি "অহমেব কচিদ ব্রহ্মণ" শ্লোক অসিনা উপপুরাণগী প্রমাণনি। আগম শাস্ত্রগী কলিযুগগী প্রমাণ শ্লোক অমতা উংতেদি হায়রিববু শ্রীমদভাগবতকী

প্রত্যক্ষ দেখহ নানা প্রকট প্রভাব।
অলৌকিক কর্ম্ম, অলৌকিক অনুভাব॥৬৭

অর্থ :—

খাইনা সংসংনা উবে তথাপ্পা মতিক মগুণ।
মীনা ভমদবা থবক তঙকপা প্রেমগী মগুণ॥৬৭

গৌর-কৃপা টীকা

“নানা তন্ত্রবিধানেন কলাবপি তথা শৃণু” শ্লোকশিগী খণ্ডনা অসি, আগম (তন্ত্র) শাস্ত্রদসু শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী পূজাগী হৌনবী পথাপ হন্নুনা লৈ। মথং অসিনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অবতারগী বা অসি আগম শাস্ত্রদসু যাওরি (রাবি)।

৬৭। রাহং অমা লাকপা য়ারে—শ্রীকৃষ্ণন কলিযুগতা গৌর ওইদুনা অবতীর্ণ ওই হাঙৈবা অসি শাস্ত্রগী প্রমাণ মতুংইন্না মযাবসি অদুগা নবদ্বীপতা অবতীর্ণ ওইবনিবা অসি শাস্ত্রনা হাঙৈবিবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অদু মহাক্নি হায়না থজফম কন্নি লৈবগে? পাউখুম—নবদ্বীপতা লীলা শান্নবরিবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য কৌবা মহাপুরুষ শাস্ত্রদা হাঙৈবিবা কলি-অবতার হাইবা অদুনি; মাহাক্কী তশেং-তশেংবা প্রমাণ য়াম্না লৈ। অহানবা খুদম—শাস্ত্রদা কলি অবতারগী মগুণ ইন্নিবা পুন্নমক অদু, নদীয়াদা শান্নরিবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মশাদসু মগুণ পুন্নমক অদু শুনা অমতা যাংতনা লৈ। অনিশুবা খুদম—নদীয়াদা শান্নরিবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা বোন্দা নারক্লা লৈবা শাং উচেক ফাওবদা প্রেম পীবিরম্মী, থৌদো অসি শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা ভমগদবা নত্তে। অহুম শুবা খুদম,—নদীয়াদা শান্নরিবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী শ্রীঅঙ্গ (সনা হকচাংদা) প্রেমগী বিকার ফাওবিনা পুন্নমক অসি জীবগী মফমদা অদুম্না ফাওদে, অতোপ্পা করিগুম্বা ভগবৎকী মশক ওইবগী মফমদসু মতৌ অদুগুম্না প্রেম ফাওদে, থাঙ্গৈশেংবদি রাধাভাবদ্যুতি-সুবলিত শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অতৈ কনাগী মফমদসু প্রেমগী বিকার পুন্নমক অসি ফাওদে। সংসংনা উবে—শ্রীমন মহাপ্রভুগী রূপ-গুণ পুন্নমক ভক্তশিংগী মিৎমক্লা সংসংনা উবে। মীনা ভমদবা থবক—ঈশ্বর নত্তনা মীনা ভমদবা থবকা ভক্তিরাণীগী কৃপানা ভক্তগী থমোইদগী দোষ পুন্নমক কোকহন্দুনা ভক্ত অদুবু দিব্যজ্ঞান (মক্তবা জ্ঞান) পীবি।

দেখিয়া না দেখে যত অভক্তেরগণ।
উলূকে না দেখে যেন সূর্য্যের কিরণ॥৬৮

অর্থ :—

উন উনা উশিন্নদে ভক্ত নত্তবশিংনা।
নুমিৎকী মঙানবু উবা ফংদে মকুনা ॥৬৮

তথাহি যমুনাচার্য্যস্তোত্রে (১৫)—

ত্বাং শীলরূপচরিতৈঃ পরম প্রকৃষ্টৈঃ সত্ত্বেন সাত্ত্বিকতয়া প্রবলৈশ্চ শাস্ত্রৈ
প্রেখ্যাতদৈব পরমার্থবিদাং মতৈশ্চ নৈবাসুর প্রকৃতয় প্রভবন্তি বোদ্ধুম ॥১৭

গৌর-কৃপা টীকা

৬৮। মথক্কা পয়ারদা ভক্ত নত্তবশিংনা উবা ঙমদবা অদু মকুগী মতৌনা থুদম ওইহনা ফো দোকচরি।

মকুনা উগী উক্রোং অহোবদা লৈবগা নুমিৎকী মঙাল উবা ফংদে, উক্রোং অহোবা অদুদগী নপাল্লোমদা যেংথোবকপদা নুমিৎকী মঙান অদু উবা তাববস্তু উক্রোংগী মপান্দা যেংথোক্লে, মমিৎ উইশিন্দুনা উক্রোং অদুগী মমুংদা ফমদুনা লৈ ; মতৌ অদুগুম্না ভক্ত নত্তবশিংনা সংসার মায়া উক্রোং অহোবদা লৈরগা (মায়ানা পুন্দুনা লৈবগা। মায়ানত্তনা অতৈ বাখল তৌদে, ঈশ্বরগী মবমদা কবিস্তু খঙবা লৈতে। সংসারগী নুংঙাইবদা শুমহৎথিহনা ঈশ্বর কংননবগী ব্রখন তৌদে। মকুনা অনম্বদা লৈজবা পামজবগুম্না ভক্ত নত্তবা জীবশিংসু অমম্বা সংসারদা লৈজবা পামজে।

উন-উনা উশিন্নদে—ভগবানগী (শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী) মতিক মগুণ, মীনা ঙমদবা থনক পূম্নমক অসি ভক্ত নহেবনা উরবস্তু খঙবা ঙমদে ; মখোয়গী মমিংকা মমাংদা অঙকপা ঈশ্বরগী গুণশিং অসি ফোংদোক্লবস্তু, মখোয়না খঙবা লৈতে, উবা লৈতে, নবমদি, মখোয়গী থমোইদা ঈশ্বর মশক খঙবা ঙম্নবা ব্রাখন অদু মখোয়দা লৈতে—পান্দমদি মকুগী মমিংনা নুমিৎকী মঙানবু খঙবা ঙমদবগুম্বনি।

ভক্ত বৈষ্ণব নত্তবশিংনা ভগবৎকী মশক মতিক মগুণ খঙবা ঙমদে হায়বগী মরমদা প্রমাণ ওইনা মখাদা "ত্বাং শীলরূপচরিতৈঃ" অসিনচিংবা শ্লোক উচ্চরি।

শ্লো।১৭। অন্বয়। [হে ভগবন] (হে ভগবান) পরম—প্রকৃষ্টৈঃ (খ্বাইদগী অহেনবা। শীলরূপ-চরিতৈঃ (লমচৎ শাজৎ-শকনা) সত্ত্বেন (শুদ্ধসত্ত্বদগী থোরকপা অঙকপা গুণতনা)

আপনা লুকাইতে প্রভু নানা যত্ন করে।
তথাপি তাঁহার ভক্ত জানয়ে তাঁহারে ॥৬৯

অর্থ :—

প্রভুনা মশাবু য়াম্না চেকশিন্না লোৎলি।
অদুম ৺ইনমক ভক্তনা মাবু খঙবা ঙম্মি ॥৬৯

তথাহি তত্রৈব (১৮)—

উল্লঙ্ঘিতত্রিবিধসীম সমাতিশায়ি—সম্ভাবনং তব পরিব্রঢ়িম স্বভাবম
মায়াবলেন ভবতাপি নিগুহ্যমানং পশ্যন্তি কেচিদনিশং ত্বদনন্য ভাবাঃ ॥১৮

গৌর-কৃপা টীকা

সাত্ত্বিক ত্যা (অফবা ওইবা) প্রবলৈঃ (পাঙ্গল কনবা) শাস্ত্রৈঃ (শাস্ত্রপূম্নমক্না) চ (অমসুং) প্রখ্যাত-দৈব—পরমার্থ—বিদাং (দৈব অমসুং অবেপ্পা পোৎগী মরমদা ফাওবা পণ্ডিতশিংগী) মতৈঃ (মোং থম্নতুনসু) অসুর-প্রকৃতয়ঃ (হিংচবনাচিংবা মী পূম্নমক) ত্বাং (নহাকপু) বোদ্ধুং (খঙ্গনা) ন প্রভবন্তি এব (ভাব তাবা ঙমজদে)।

অনুবাদ।—হে ভগবান। নহাকী খ্বাইদগী অহেনবা লমচৎ-শাজৎ-শক উরগা শুদ্ধ সত্ত্বদগী থোরকপা নংগী অঙকপা গুণ লরগা, পাঙ্গল কল্লবা-শাস্ত্র পূম্নমকী পাওতাক তাবগা অমদি অফ-ফত্তগী মরমদা পূম্নমক খঙলবা অবেপ্পা খঙলবা অত্তগুম্না ফাওবা পণ্ডিতশিংগী মোং থম্নতুনসু হিংচাবগী পুকচেন চেনবা মীশিংনা ইবুংঙো নংবু থাজবা-খঙজবা ঙমজদে।১৭

পরম প্রকৃষ্ট—খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকপা মাসিদগী অমুক অথোইবা পোৎ অমা লৈত্রবা। শীল—লমচৎ ফজবা। চরিত—থবক, লীলা। সত্ত্ব—শুদ্ধ সত্ত্ব; শুদ্ধ সত্ত্বগী মশক ওইবা শ্রীভগবানগী অঙবপা মতিক মগুণ। প্রবল-শাস্ত্র—শাস্ত্র পূম্নমক্কী মথক থোবা (মা পূম্নমক্না যানবা শাস্ত্র)। দৈব (অফ-ফত্ত)। পরমার্থ—থাঙ্গৈশেংবা সিদ্ধান্ত। অসুরপ্রকৃতি— হিংচাবগী শাজৎ; ভক্ত—নত্তবা। ভক্ত নত্তবগী মকমদা ভগবানগী অঙকপা মতিক-মগুণবু যাম্না হৈ-শিংলবা মীনা তাক্তনসু মথোঙ্গনা থাজবা-খঙবা ঙমজদে হাঙ্গৈবত্তুগী প্রমাণ শ্লোকি।

৬৯। ভগবানবু খঙননবগী পাৰ্থৈ বয়ান্তক লৈ, পাৰ্থৈ পূম্নমক অত্তু শাক্ষাৎ লৈববসু ভক্ত, বৈষ্ণব নত্তবা মীনা ইবুংঙো মহাকপু খঙবা ঙমদে; অত্তুগী ভগবান মশামক্সু

গৌর-কৃপা টীকা

মী খণ্ডনবা হাঙ্গইদুনা মশাবু লোংলি, অদুম ওইনমক ভক্তবৈষ্ণবশিংনা মাবু ইলাক্ট-লাঙ্গনা খণ্ডিঙ। ভক্ত বৈষ্ণবশিংগী মফমদা ভগবান্না কবিগুম্বা অমতা লোচ্চবা ঙমজদে। ভক্তিগী কৃপানা ভক্তনা ভগবানবু খুদুম চনবা ঙম্মি।

পয়ার অসিনা খণ্ডনবিবদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু স্বয়ং ভগবান্নি হাঙ্গইবা শাস্ত্রগী প্রমাণ কযামক লৈস্ত্রে, অদুম ওইনমক ভক্ত নত্তবশিংনা মহাক্কী তত্ত্ববু খঙবা ঙমদে: ইবুংঙো মহাক্কী চবঙা চংজনবা ভক্তি লৈজরবা মখোঙ্গশিং অদুতনা মাবু ওশেং-ওশেংনা খঙবা ঙম্মি।

প্রমাণগীদমক মখাদা "উল্লঙ্ঘিতত্রিবিধসীম' শ্লোক উৎচবি।

শ্লো ১৮। অন্বয়। [হে ভগবণ] (হে ভগবন) উল্লঙ্ঘিত—ত্রিবিধসীম—সমাতিশায়ি সম্ভাবনং (মফমগী ঙমখৈ, মতমগী ঙমখৈ অমসুং চাং খঙনবঙমখৈ—ঙমখৈ অদুম অসি নাপোত্রবা ওমাং মাঙোন্দগী অহেনবসু লৈত্রবা মান্নবসু লৈত্রবা) মাংকলেন (নশাগী যেগ মাযাগী মপুক্না) ভবতা (নহাক্না) নিগুহ্যমানেন (লোংলবদা) তব (নংগী) পবিত্রটিম স্বভাব (অথোইবা মশাকমপু) কেচিৎ (কনা-কনাগুম্বা) হৃদনন্যভাবা, (ভক্তি চেংলবা ননাইনা) এনিশং (তত্তংপা লৈংনা) পশ্যন্তি (উবি)।

অনুবাদ। হে ভগবন। মফম, অমসুং চাং—ঙমখৈ মখল অতম অসিগী রাংমদা লৈবা ইবুংঙো নহাক্কা মান্নবসু কনা অমতা লৈএবা নংঙোন্দগী অহেনবসু লৈত্রবা, অমসু নশাগী যোগমায়াগী পাম্বৈনা নহাকপু নংনা মতম লৈবখিবিক্তা লোংননবগীদমক হোৎনদুনতা লৈবিবা নংগী অদুম ওইবা অথোইবা মশক অদু নংগী কনা-কনাগুম্বা ভক্তি চেংলবা ননাই ভক্তনা মতম লৈবখিবিক্তা শত্তৎপা লৈংনা উবা ফংজবি। ১৮

উল্লঙ্ঘিতত্রিবিধসীমনচিংবা—মখল অহুমগী ঙমখৈ লে। মাহুদি অহানবদা কবিগুম্বা লম অমগী ঙমখৈ; মফম খুদিংমক মাইকৈ মরিদা সীমা ঙমখৈ লৈবা ঙাকনি, মফম অদুদি মাইকৈ মরিদা লৈবিবা সীমা ঙমখৈ অদুগী মন্নুংদা লৈবনি। শ্রীভগবান্দি মফম অমগুম্বা মাইকৈ মরিদা ঙমখৈ নাইদুনা কোইসিন্দুনা লৈবা (ফাদুনা থম্বা) যাদে, সীমানা (ঙমখৈ) অদুগী মপান থোরবই; খুদমদি—ঐহাক কলিকাতাদা লৈ হাঙ্গববদি কলিকাতা কোবা মফম অদুগী ঙমখৈ অমদি লৈ; ঙমখৈ অদুনা কোইশিল্লিবা মফম অদুদা ঐগী ঙমখৈ নাইবা হকচাং অসি লৈ হাঙ্গবনি। ভগবানগী মবমদদি অসুম হাঙ্গনা হাঙ্গবা যাদে চংনদে, মহাক্কা লৈবা মফম অদুগী সীমানা (ঙমখৈ) লৈতে; হাঙাং অসিনা কবি খণ্ডনবগে হাঙ্গবদা ভগবান্দি মযুং-মরাক লৈতে অনন্তনি কবিগুম্বা আবেপ্পা মফম অমা উংতুনা ভগবানগী সীমানা

গৌর-কৃপা টীকা

লেপ্পা য়াদে। অনিশুবদা, মতমগী অবেপ্পা থঙনবা ওমখৈ অমা। কন'গুম্বা মী অমা অসিগুম্বা মতমদগী অতুগুম্বা মতম ফাওবা চহি ৮০ ফাওবা পুন্সিরম্মী ; মাগী মপুন্সি অতুদা থবক অমা পাংথোক্রম্মী ; অদুম হাঙ্গনা ঐথোঙ্গনা হাঙ্গনৈ। হাঙ্গনরিবা য়াহৈ অসিনা মী অতুগী হিংলিঙৈদা তৌরম্বা থবক অতুগী মতম অমদি মপুন্সি অতুগী ওমখৈ (সীমা) অমা লেপ্পে, মাসিগুম্বা অসিবু মতমগী ওমখৈ কৌই। ভগবানগী মরমদদি অসুম তৌদুনা মতমগী ওমখৈ লেপ্পা য়াদে ; পৃথিবী, স্মমিৎ, থা লৈত্রিঙৈদগী ভগবান লৈরবনি হাঙ্গবদি অনাদি-কালদগী ভগবান লৈববনি অমস্ত কাল ফাওবা (যুগ মশিং থীবা ওমদবা ফাওবা) লৈগনি অতুগা ইবুংঙো মহাকী থবক লীলাস্থু অনাদি কালদগী অতংপা লৈতনা হৌজিক ফাওবসু লৈরি, অনন্ত কাল ফাওবসু লৈগনি। অহুমশুবদা, চাং খঙনবা ওমখৈ ; মফ্য, ময়'ক অমসুং অয়াংবনা পোৎকী চাং অমা খঙনৈ (লেপ্পে) ; ময়ুংগীসু ওমখৈ লৈ, ময়াকীসু সীমা লৈ ; ওমখৈ অসি চাং খঙনবা ওমখৈনি।

ভগবানগীদি অসুম্না করিগুম্বা ওমখৈ খঙনবা অমত্রা লৈতে। ইবুংঙো মহাকী ময়ুংসু সীমা লৈতে, মবাকসু সীমা (ওমখৈ) লৈতে, অয়াংবসু সীমা লৈতে, মাইকৈ খুদিংমক্তা ওমখৈ খঙবা লৈতে মপান্নাইদবনি ; মহাক্তি বিষ্ণুনি, মফম খুদিংদা শিন্দ্রুংনা লৈবনি। শ্রীভগবান্দি মখল অহুমগী সীমা অসি লান্থোকই ; মহাক্তি মফম পুম্নমক্তা চন্ডুনা লৈ, অনন্ত, বিভু (বিষ্ণু) নি। করিগুম্বা হিরমদা মাগা মান্নবা য়াওদে, মাঙোন্দগী অহেনবস্থ লৈতে। পরিব্রঢিম—মপু ওইবা। মায়াবল—যোগমায়া পাঙ্গল্লা শুইদবা থবকপু ওংশুইনা ওইহনবা।

শ্রীভগবান্দি অনাদি কালদগী অনন্ত কাল ফাওবা মফম খুদিংদা শিন্দ্রুংনা ভান্দুনা লৈ, মবম অতুনা মহাক্লা মশাবু লোৎপা হাঙ্গবসি ওইথোক্রবনি ; অতুম ওইনমক যোগ-মায়াগী পান্ধনা মশাবু মশানা লোচৈ। ইবুংঙো মাঙোন্দগী শক্তি হেনবা অমদি মান্নবা কন গুম্বা অনা লৈবম্বা থোক্লবদি মানা লো লিবা অসি শোঙ্গদনা ফাগদবনি ; অতুবু লৈতবনিনা কন'নসু ফাকবা ওমদে। মাগী লমচৎ-শাজত্তি মহৌশানা মকোক (মপু) ওইবনিনা মানা ঙোনীংবত্তা তৌই, মতম লৈবা খিবিক্তা মশাবু লোৎতুনা লৈবসু ওম্মী। তৌইগুম্নসুং ভক্তি হাঙ্গবা অসিদা চাম্না হাঙ্গদোব্পা ওমদবা অঙকপা পাঙ্গল অমা লৈ, ভক্তি চংথোনবা ভক্তশিংনা ইবুংঙো মাবু লায়না ফাবা ওম্মী, মহাক্লা মশাবু লোৎতুনা লৈরগসু অচেংপা ভক্ত-শিংনা ইতত্ত্বনা উজবা ফংঙি। ভক্তিরেব এনং দর্শয়তি। শ্রুতি।

অসুর স্বভাবে কৃষ্ণে কভু নাহি জানে।
লুকাইতে নারে কৃষ্ণ ভক্তজন স্থানে ॥৭০

অর্থ :—

হিংচাবগী পুকচেল্লা কৃষ্ণবু খঙবা ঙম্দে।
ভক্তগী মফমদা কৃষ্ণনা লোৎপা ঙমজদে ॥৭০

তথাহি পাদ্মে
দ্বৌ ভূতসর্গৌ লোকেঽস্মিন্ দৈব আসুর এব চ।
বিষ্ণুভক্ত স্মৃতো-দৈব আসুর স্তদ্বিপর্য্যয় ॥ ৯

গৌর-কৃপা টীকা

৭০। শ্রীভগবান্না মীবু খঙহন্না পনসু ভক্তশিনা হেক্তা খঙ। ঙম্বা অতুগা ইবুঙো মাগী অঙকপা থৌরমশিং অদু ভক্ত নত্তবা মীনা উৎগনু খঙবা ঙম্দবা, মাতুগী মরম উচ্চবি। ভগবানবু খঙনবগী লমদি অসি ভক্তিনি, "ভক্ত্যাহমেকয়া গ্রাহ্যঃ শ্রদ্ধয়াত্মা প্রিয়ঃ সতাম্। শ্রীভা. ১১।১৪।২১। ভক্তি লৈবা ভক্তদি ভগবান্না লোৎলবসু উবা খঙবা ঙমগা অতুগা ভক্তি লৈতবা মী অদুদি ভগবানগী অঙকপা তৌবঙম্বা খুদম উৎগসু খঙবা ঙমদে। কংস নিংথৌনা ভগবান উৎগদু খঙবা ঙমদে। হিংচাবগী পুকচেল—ভক্তি লৈতবা মীগী পুকচেল, ভক্ত নত্তনা করম্ববু হিংচাবগী পুকচেল চেনবা মীনি হায়বা খঙনবগে হায়বদু "দ্বৌ ভূতসর্গৌ" নচিংবা শ্লোক্না প্রমাণ ওইহনরি।

শ্লো। ১৯। অন্বয়। অস্মিন (অসি) লোকে (জগত্তা) দৈবঃ (দেব প্রকৃতিগী উবা) আসুরশ্চ (অমসুং সুংশিহৈতবা) এব (শেপ্পমক) দ্বৌ (মথল অনি) ভূতসর্গৌ (থরাহ পানবা শেম্মী) বিষ্ণু ভক্ত (বিষ্ণুভক্ত) দৈবঃ (ভুবগী উবা, সু শি খঙবা) স্মৃতঃ (হায়রি) তদ্বিপর্য্যয়ঃ (মাতুগী ওম্ব-তৈনবা—কৃষ্ণদা ভক্তি লৈতবা) আসুরঃ (সু শি হেত্তবা, হিংচাবা ওম্বা)।

অনুবাদ। জগৎ অসিদা সৃষ্টি মথল অনি থোকা লৈ ১। দৈব অমসুং ২ আসুর। শ্রীকৃষ্ণবু সুংশিবগা লোয়নন থাজনা নীংবশিং অদুবু দৈব সৃষ্টি কৌই, অতুগা শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তি লৈতবশিং অদুবু আসুর সৃষ্টি (হিংচাবগী মপোক) কৌই। ১৯। শোক অসিদা হায়রি, শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তি লৈতবশিং ভক্ত নত্তবশিং মখোয় অদুবু হিংচাবগী পুকচেল চেনবা মীনি হায়না খঙনগনি।

আচার্য্য গোসাঞি প্রভুর ভক্ত অবতার।
কৃষ্ণ-অবতার হেতু যাঁহার হুঙ্কার॥ ৭১

অর্থ

আচার্য্য গোসাঞি প্রভুগী ভক্ত অবতারনি।
মহাক্কী হুঙ্কারণা কৃষ্ণ-অবতার পোকবনি ॥৭১

গৌর-কৃপা টীকা

৭১। হৌজিক শীমন মহাপ্রভুনা অবতার লৌবকপগী মরম হায়জরি। মতুংগী পয়ার ৯০ শুবদা হায়রি, "কৃষ্ণগী অবতার পূর্ণমক ইচ্ছানি ভক্তগী" হবনার লৌবগী মরম অহানবদি ভক্তগী রাখল পুকিংনি। বরঙ্গা ভক্তন শ্রীকৃষ্ণবু কবি মরনগীদমক অবতার তৌহন্নিংলিবনো হায়রদু হঙ্গচ্ছরি।

আচার্য্য-গোসাঞি— শ্রীমদদ্বৈত আচার্য্য। প্রভুগী— শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী। ঝামটপুরগী লাইরিকদি "প্রভুগী" মফমদা কৃষ্ণ" ইহুনা লে। ভক্ত অবতার—শ্রীল অদ্বৈত আচার্য্য জীব তত্ত্ব নত্তে, মহাপ্রভু ঈশ্বর-তত্ত্বনি, কারণার্ণবশায়ী পুরুষকী অংশ অমনি। মরম অসিনা মহাপ্রভু ভগবৎস্বরূপ অমনি জগত্তা অবতীর্ণ ওইরবে হায়দুনা মাবু অবতারনি হায়রি তৌইগুম্বসু ঈশ্বর অবতার ওইরবসু শ্রীঅদ্বৈতদি ঈশ্বরগী ভাব কোংদোক্তে মতম লৈব-খিবিত্রা ভক্তগী ভাবতা কোংদোবই মরম অসিনা ভক্ত—অবতারনি হায়রি। মহাক্কী হুঙ্কারণা—শ্রীমদদ্বৈতনা লাউরবদগী।

সংসারদা লৈরিবা মী পূর্ণমক অসি কৃষ্ণভক্তি লৈতবা ডাক্তা ভাইরে হায়রা খঙলদুনা, মখোয়শিং অদুগী মঙ্গলগীদমক শ্রীঅদ্বৈতনা শ্রীকৃষ্ণবু অবতীর্ণ তৌহনগে হায়রগীদমক বরা নীংলদী (রাশকথী) অমস্তং গঙ্গাজল তুলসীনা পুরিং য়ুংনা শ্রীকৃষ্ণবু অর্চনা তৌই। অর্চনা (থুকুস্থা) মতমদা প্রেম-না হাওদুনা লাউথোরকই (হুঙ্কার তৌবকই); মহাক্কী প্রেম অদুনা খুদুমচন্দুনা মহাক্কী রাশক ডাকে হায়রগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইদুনা অবতীর্ণ ওই। মরম অদুনা শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যগী প্রেমগা লোয়ননা লাউবা অদুনা মরম ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণ ইবুঙোনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইদুনা অবতীর্ণ (সাইওল্লিবনি)।

কৃষ্ণ যদি পৃথিবীতে করেন অবতার।
প্রথমে করেন গুরুবর্গের সঞ্চার ॥৭২

অর্থ

কৃষ্ণ পৃথিবীদা অবতার তৌবা তারবদা।
গুরুগী কাংবুবু ফোংদোকহল্লী অহানবদা ॥৭২

গৌর-কৃপা টীকা

৭২ শ্রীকৃষ্ণনা পৃথিবীদা মতৌ করম্না অবতার তৌবগে হায়বদু হায়জরি। ভগবান্না অচম্বা মায়াগী ব্রহ্মাণ্ডদা ফাওরকপা অসিবু অবতার কৌই। ভগবান্না মথল অনি থোক্লা অবতীর্ণ ওই, অমনা—মীগী ...চংদুম্না মমা-মপাগা লেইনন। ফাওবকপা, অসিগুম্বা মও তসিবু সদ্বারক কৌই, মমা-মপান, অবতার তৌনবগী পাম্বি (থোং) ওই, অদুগা অদ্বারক, মমা-মপানচিংবা ছাইরুবা লৈতনা মশা মতোমনা অবতীর্ণ ওইবা অমা। মৎস্য (ঙা)—কুর্ম (থেঙ্গু)-নৃসিংহনচিংবা অসি মমা-মপা য়াওদবা (অদ্বয়া অবতারন। মখোয়দি মশানা অতুম অবতীর্ণ ওইরে, মমা-মপা চঙদে, মাবাগী জগৎ অসিনা মখোয়গী মমা-মপা লৈরমদে। রাম, কৃষ্ণনচিংবদি মমা-মপা লৈ, সদ্বারক অবতারনি; মমা মপাগা লোইনদুনা মখোয়না অবতার তৌই ভগবান্না নর লীলা (মী-গী লীলা) ফোংদোকপা মতমদা মম-মপাগা লোইনদুনা অচম্বা মী ওইবগা মতৌগুম্না ফোংদোক-ফোংদোক্লা শাম্নবা লীলাদা ভগবানগী মমা-মপা ওইরিবা মখোয়সি অসি থাঙ্গৈশেংবা মী নত্তে মখোয়দি ভগবানগী সন্ধিণী শক্তিনি, অনাদিকালদগী (হৌনিংঙ্খা লৈত্রিবৈদগী) মহাক্কী মমা-মপা ওইনা লৈবক্রবনি, অপ্রকট্টা (ফোংদোক্তবা লীলাদা) মখোয়সিন মমা-মপা ওইদুনা গর্ভ পুদুনা পোকৃম্পিনবগীদমক্তি নত্তে।

ভগবানগী অমুক পোকপা হায়বা অমা নাইদে (নত্তে), মখোয়সিন মমা-মপানি হায়না নীংজবা অসি অনাদি কালদগী নীংজবরকতুনা লৈবক্রবনি। মখোয়না কৃষ্ণদা নুংশিবা অদু তশেংং-তশেংনা নুংশিনখিবা অদুনা মমা-মপানি হায়না নাংবা ওইরবনি (ভক্তাভি মান-বিশেষহেতবো গুণা স্তৎকৃতাঃ নিত্যপবিকরাণাং নিত্যমেব তদ্দুয়ম। প্রীতিসন্দর্ভঃ। ৮৪ ভগবান্না ফোংনা লীলা শাম্নবা অসি অনাদিসিদ্ধ ওইরনা মমা-মপাবু অহানবদা জগৎতা ফোংদোকহল্লী অমসুং মতুংদা মহাক্কা মখোয়গী থমোইদ চঙদুনা মহাক পোকপগী লীলা ফোংদোকই। প্রকট লীলা (ফোংদোক্লা শাম্নবা লীলা) দসু অচম্বা মীগী মতৌগুম্না মমা-

পিতা-মাতা-গুরু আদি যত মান্যগণ।
প্রথমে করেন সভার পৃথিবীতে জনম ॥৭৩

অর্থ

মমা মপা গুরুনচিংবা পূজ্যমক অসি।
অহানবদা পৃথিবীদা পেকহন্নী ওখোংসি ॥৭৩

গৌর কৃপা টীকা

মপাগী ঈং-না ভগবান পোকপা নত্তে, মাগী লীলা অদু পাংথোকুবগীদমক মমা-মপা কৌবা অমা থমদুনা স্বয়ং মশানা শোংদোব্পদনি; মাইনদি মপুরিংনা নীংনৈ মমাগী গর্ভদগী পোকপনি। শ্রীমন মহাপ্রভুন সদাবক (মমা-মপা নাইবা) অবতারনি, মহাক্লা নরলীলা মীগী লীলা ফোংদোক্লগী, মরম অদুনা মাদু নাইহন্নবদনা মমা মপাগা লোইননা অবতীর্ণ ওইবনি।

সাধারণ মীনা পোকপ গুম্না ভগবান্না পোকপগী লীলা অমা শান্নবদু সাধারণ মীগী মতৌ গুম্না শক্তনচিংবা লুপ-তোং পাংলি হাইনা খল্লুবা তৌনদে; লুপতো পাদে হাইনা খল্লবদু হৌনদে। ভগবান্না পোকপগী মরমদা খন্নবগী রাসি থমখিসি, মহাক্কী মনাই ভক্তশিং অসি ফাওবা শিবা মতমদা শক্ক থিবা ফংদবা য়াওই। ভক্ত অদুনা পামজবা হকচাং-মওংগী মতুং ইন্না ভগবানদু শক্তবু পাল্লবদু নত্তগা পাদ্রেদু অদুম মওইরে ভগবান্দি অঙাং ওইরি হাইনা নীংলগা অঙাং অদুম মওইরে, পাখং ওইরে হাইনা নীংলগা পাখং অদুম মওইরে; খী অমদুং উন অসি মহীলাংবা পোং ওইবগদু মতমগী মতুং ইন্না কনাশিল্লী, অদুগুমদুনা শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংদু য়াম্না থোংলি লৌই; অদুবু মতমগী মতুংইন্না য়োং অমদুং ব্রজদগী হেন্না কল্লী। ভগবদ্ বিগ্রহদি শুদ্ধসত্ত্বময়নি (১।৪।৫৫ পয়ার টীকাদা য়েংবিয়ু) মুংঙাইবগী মপানি। অঙকপা শক্তি পাম্বৈনা অনাদি কালদগী মুংঙাইবগী মশক ওইহনা লাক্লবনি।

গুরুগী কাংবু—মপা, মমা, মরাম্বনচিংবা শ্রীবলদেবদু মযাম্বা অহন্নি হাইদুনা গুরুগী মন্নুংচল্লী।

৭৩। গুরু—মী ওইদুনা ফোংদোক্লা শামবা লীলাদা দীক্ষা গুরু ওইবা, পরম গুরু ওইবা নচিংবা।

মাধব-ঈশ্বর-পুরী, শচী, জগন্নাথ।
অদ্বৈত-আচার্য্য প্রকট হৈলা সেই-সাথ ॥৭৪
প্রকটিয়া দেখে আচার্য্য—সকল সংসার।
কৃষ্ণভক্তি গন্ধ হীন বিষয়—ব্যবহার ॥৭৫

অর্থ

মাধব—ঈশ্বর—পুরী, শচী, জগন্নাথ পোকখিবা।
অদ্বৈত-আচার্য্য ফোংখি মযামগা লোইননা ॥৭৪
আচার্য্যনা শেংনা উবে মী'শংবু সংসারবী।
কৃষ্ণভক্তি য়াওদ্রবে হোংনরে মায়াগী ॥৭৫

গোর-কৃপা-টীকা

৭৪। শ্রীমন মহাপ্রভুগী পুক্ত্তিংগী মমিং ইজবি মাধব ঈশ্বরপুরী—মাধবেন্দ্রপুরী অমসুং ঈশ্বরপুরী। শ্রীপাদ ঈশ্বরপুরী গোস্বামী ওইবগী লাংলাদা শ্রীমন মহাপ্রভুগী দীক্ষা গুরুনি (লাইনিংলোবগুরুনি)। শ্রীপাদ মাধবেন্দ্রপুরী গোস্বামীনা মহাক্কী পরম গুরুনি—হাইবদি শ্রীপাদ ঈশ্বর পুরীগী দীক্ষা গুরুনি। শচী—শ্রীমন মহাপ্রভুগী মমানি জগন্নাথ—শ্রীজগন্নাথ মিশ্র, শ্রীমন মহাপ্রভুগী মপানি। অহানবদা পুক কযামক ইসিবু হান্না অবতীর্ণ ওইহন্বী মযামগা লোয়নন—মাধব ঈশ্বরপুরীনচি বগা লোইননা, শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্য শ্রীমন মহাপ্রভু পোকত্রিঙৈনা ফোংদোকখ্রে

শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যাদি মহাবিষ্ণুগী অবতারনি হাইজনা শ্রীমন মহাপ্রভুগী স্বাংস অবতারনি (মহাপ্রভুদগী হুম্ভরনি), মবম অদুনা হৌবদদি মহাপ্রভুগী গুরু নাত্তে, প্রকট অফোংবা) লীলাদদি প্রভুনা মাবু গুরুগী মতৌগুন্না লোইনৈ, মমমদি শ্রীঅদ্বৈত অসি শ্রীপাদ মাধবেন্দ্র পুরীগী শিষ্যনি, মমম অসিদগী প্রভুনা গুরুগুন্না লোইনৈ। শ্রীঅদ্বৈতগী ইচ্ছাদগী (নীংবদগী) প্রভুনা অবতার তৌবনি অদুনা প্রভুগী মমাংদা শ্রীঅদ্বৈত অবতীর্ণ ওইরে, গুরুশিং পোকপা মতমদা অদ্বৈতসু অবতীর্ণ ওইরে।

৭৫। শ্রীঅদ্বৈতনা অবতীর্ণ ওইবগা, জগৎকী ফিবম-মওং করম বরন্না চংলিবগে হাইবদু পযার অসিদা হাইজরি। ইবুংঙো মহাক্না উবা ফংতি—জগৎকা মী অমম্মনা বিষয়গী (মায়াগী) থৌবমদা লুপ্তনা লৈবে, কনাগুম্বনা পাপকী থবক্তা কনাগুম্বনা পুণ্যগী থবক্তা পুরিং চংতুনা বিষযদা (মাযাদা) লপ্তনা লৈবে। মখোইগী মনুংদা কনা অমত্তসু কৃষ্ণভক্তি শম্না যুক্তা লৈত্রে।

কেহো পাপে কেহো পুণ্যে করে বিষয়ভোগ।
ভক্তিগন্ধ নাহি-যাতে যায় ভবরোগ ॥৭৬
লোকগতি দেখি আচার্য্য করুণ-হৃদয়।
বিচার করেন—লোকের কৈছে হিত হয়? ॥৭৭
আপনি শ্রীকৃষ্ণ যদি করেন অবতার।
আপনে আচরি ভক্তি করেন প্রচার ॥৭৮

অর্থ :—

কনা কনানা পাপ পুণ্য তৌদুনা বিষয় চারে।
অরাবা কোক্লবা ভক্তি লমচক্তি লৈতরে ॥৭৬
আচার্য্যনা মীগী মতৌ উরগা চানবিরি।
মী ওইবনা কান্নগদবা বিচার তৌবিরি ॥৭৭
অবতার তৌরবদি শ্রীকৃষ্ণ মশামক্লা।
ভক্তি শন্দোকচগনি মশানা চচ্চদুনা ॥৭৮

গৌর-কৃপা-টীকা

কৃষ্ণ-ভক্তি য়াওনদরে—ভক্তিগী মমিং ফাওবা লৈতরে। হোৎনরে মায়াগী—মী পুন্নমক ইন্দ্রিগী নুংঙাইনবতা হোৎনদুনা লৈরে, ভক্তিগী মরমদদি কনাসু হোৎনবা উদরে।

৭৬। কনা কনানা পাপ—কনা কনা গুম্বনা পাপকী থবক্তা (হুরানবা, গুণ্ডা, ডাকাতি, মপুরোইবা লৈবা নুপী ভাংনবনচিংবা থবক মরা সংসারদা লুপ্তুনা (চাদুনা) লৈরে। কনা-কনানা পুণ্য কনা কনাগুম্বনা অঙ্কবা থবক্তা (যজ্ঞ—দান্নচিংবা থবক্তা) বিষয় চাদুনা লৈরে। অরাবা কোক্লবা—সংসারগী অরাবা কোক্লবা। সংসারগী অরাবা কোক্লবা ভক্তিগী লমচং চৎপদি জীবগী মন্নুংদা কনাসু য়াওদরে।

৭৭। শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যনা মীগী অরাবা মতৌ উদুনা করম তৌরগা অরাবসি কোক্নদগে হাঙবা অদু চিন্তা তৌবা হৌরকই।

চানবিরি—নুংশিবিরি। কান্নগদবা—মঙ্গোল (য়াইফবা) ওইগদবা।

৭৮। শ্রীঅদ্বৈতনা মী-শিংগী ফিবম উদুনা বাখন তৌরমী, মাদু পয়ার মরিদা হাঙজরি। শ্রীকৃষ্ণনা মশামক্লা অবতার তৌবিরবদি মহাক্লা ভক্তভাব লৌদুনা মশামক্লা

নাম বিনু কলিকালে ধর্ম্ম নাহি আর।
কলিকালে কৈছে হবে কৃষ্ণ অবতার ॥৭৯

অর্থ :—

নাম নত্তনা ধর্ম্ম অতৈ লৈতে কলিকালদা।
কৃষ্ণ অবতার করম্না “ইগনি কলিদা ॥৭৯

গৌর-কৃপা টীকা

ভক্তি ধর্ম্ম চত্তনা ভক্তি ধর্ম্ম শন্দোকপিবা যাই, মাতুদা জীবগী য়াইফবা ওইগনি, ইবুংঙো মহাক্না ভক্তি ভাব চংলিবহু খ্বাইনা উজয়গা মী-শিংন্স ভক্তি ধর্ম্ম চংনীংবা পোকনি।

৭৯। শ্রীঅদ্বৈতনা অমুকন্তু বাখন তৌই— নাম্না কলিকালগী ধর্ম্ম ন, নামসঙ্কীর্ত্তন নত্তনা কলিকালদা অতৈ ধর্ম্ম চূনবোই, শ্রীকৃষ্ণ অবতীর্ণ ওইবগা নাম সঙ্কীর্ত্তন শন্দোকপিবনদি জীবগী নঙ্গোল ওইবা যাই, জীবনা ঈশ্বরবু থাজবমদবা অত্ত কোবখিবা য়াই।”

কলিকালগী যুগ ধর্ম্ম নাম-শন্দোকপদি যুগাবতারনন্তু তৌবা যাই, অদুম ওইনমক শ্রীঅদ্বৈতনা মতম অদুদা যুগাবতার লাকহন্নবগী বাখন তৌদহুনা স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণ লেংথরিবরুবগী বাখন তৌরম্মী, বা অসিনা থওনরিবদি নামগা লোঈননা ব্রজ-প্রেম শন্দোকহন্নীংঙি হাঙ্গনা খঙনৈ, করম্দি, ব্রজ-প্রেম নত্তনা জীব-না মঙ্গ ওইবা পোংশক ফংবা ঙমদে। (অর্থ পয়ার ১২ গী টীকাদা য়েংবিয়ু)। অমস্তুং শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অতৈ হৌপা কনাগুম্বা ভগবংকী মশক্কন্তু ব্রজ-প্রেম পীবা ঙমদে।

শ্রীঅদ্বৈতনা বাখন তৌরগা পুক্লিংদা অমা লেপ্লে, শ্রীকৃষ্ণ অবতীর্ণ তৌদ্রবদি জীবগী নঙ্গোল (য়াইফবা) চপচাবা ফংলোই; তৌইগুম্বন্তুং কবি উপায় তৌবগা কলিকালদা শ্রীকৃষ্ণ অবতার তৌবা য়াগদগে।

নাম নত্তনা—হরিনাম নত্তনা। ভক্তি—অঙ্গ চংপা পুম্নমকী মক্লংদা শ্রীশ্রীনাম সঙ্কীর্ত্তন্না অথোইবা ওইবা মরম্না নাম সঙ্কীর্ত্তনগী বানা নম্না ইজবে। মাতু অতোপ-অগোম্পা ভক্তি অঙ্গবু যাংহল্লবা (থৌশাকদবা) নৈতে। অতোপ্পা ভক্তি অঙ্গ লিংখৎপা তাবগন্তু নামগা লোঈননা লিংখৎকদবনি। “যত্তনা ভক্তিঃ কলৌ কর্ত্তব্যা তদা তৎসংযোগেনৈব ত্যুক্তম। যজ্ঞৈঃ সঙ্কীর্ত্তন প্রায়ৈর্যজন্তিহি সুমেধস ইতি শ্রীভা, ১১।৫।২৯ শ্লোক ক্রমসন্দর্ভ ॥” ইতোমতা ইনিং-ইখা তৌনা নাম-কীর্ত্তন তৌরবন্তু যাম্না কৈ। “হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলম। কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা ॥”

শুদ্ধ ভাবে করিব কৃষ্ণের আরাধন।
নিরন্তর সদৈন্যে করিব নিবেদন ॥৮০
আনিয়া কৃষ্ণেরে করোঁ কীর্ত্তন সঞ্চার।
তবে সে 'অদ্বৈত' নাম সফল আমার ॥৮১

অর্থ :—

প্রেমগা লোঙ্গননা কৃষ্ণবু সেবা তৌগনি।
তত্তনা য়ায়া নোল্লক্রা খুকমজগনি ॥৮০
কৃষ্ণবু পুবরগা কীর্ত্তন শন্দোকহনগনি।
মাতুদা 'অদ্বৈত' কৌবগী মহয় য়ানগনি ॥৮১

গৌর-কৃপা টীকা

৮০। করি উপায় তৌরগা শ্রীকৃষ্ণ অবতীর্ণ ওইবা য়াগদগে হাঙ্গবা য়াখন তৌরি। "শুদ্ধ (অ.শে.বা) প্রেমগা লোঙ্গননা শ্রীকৃষ্ণবু সেবা তৌজরবদি অমম্ভং জীব-গী অয়াবা কোক্লবগীদমক নোল্লক্রা ইবুংঙো মাগী চবগী খুকমজরবদি শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ তৌবিবা যাই। ঐনা মাত্তমক তৌবগে।" আরাধন—খুরুমজবা, সেবা তৌবা।

৮১। শ্রীঅদ্বৈতনা অমুকস্থু বিচাব তৌবকই—"মতৌ অসূমা শ্রীকৃষ্ণবু অবতীর্ণ তৌহন্নগা শ্রীনাম সঙ্কীর্ত্তন শন্দোকহনগনি। মাসি তৌহনবা ঙম্মগা ঐগী 'অদ্বৈত' কৌবা মিং অসি কৌজবগী মহয় য়ানজগনি।"

অদ্বৈত—তানিশুদব, দ্বৈত (অনিশুবা) লৈতবা মাগী মহাক্কী মতৌংদা কনা অমত্তা লৈতবা অত্তুবু অদ্বৈত কৌই। শ্রীকৃষ্ণবু অবতীর্ণ তৌহম্নবগী পাঙ্গল অসি অতৈ কনদা লৈতে। শ্রীঅদ্বৈতদা মাইরং, মরম অত্তুনা শ্রীকৃষ্ণবু অবতার তৌহনবা ঙম্বা মী অনি শুদে হাঙ্গদুনা মহাক্কী মমিং 'অদ্বৈত' কৌবা অসি কয়িম্ম লানবা লৈতে। য়াহে অসিদা শ্রীঅদ্বৈতনা ভক্তিগী মরমদা চাংথোকপা যোংদোকই হাঙ্গনা থল্লবা য়াদে, য়াহে অসি চাওথোক্তুনা ঙাংবা য়াঙাং নাদে। শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা মুংশিবা হেনজিনখিবা মরমদগী অমম্ভং শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা চিন্তা তৌনা তৌনা ঙাংখিবা য়াঙাংনি।

কৃষ্ণ বশ হবিবেন কোন আরাধনে?।
বিচারিতে এক শ্লোক হৈল তার মনে।।৮২

অর্থ :—

করম্না খুকমজনগা খুত্থম চম্নি কৃষ্ণবু ?।
বিচার তৌরদা পুক্নিংদা লাকে শ্লোক অমরু ॥৮২

তথাহি শ্রীহরি ভক্তি বিলাসে (১১।১১০) গৌতমীয়-তন্ত্র বচনম্।
তুলসীদল মাত্রেণ জলস্য চুলুকেন বা
বিক্রীণীতে স্বমাত্মানং ভক্তেভ্যো ভক্তবৎসলঃ ।।২০

গৌর-কৃপা টীকা

৮২। খুকমজনগ শ্রীকৃষ্ণ খুত্থম চন্দুনা ওবকার্ণ ওহৈনগনি, মতৌ করম তৌনা খুকমদবগা শ্রীকৃষ্ণবু খুত্থ। চনং ঙমগদগে ? হায়না অপুনা খন্না খরা শ্লোক অসি শ্রীঅদ্বৈতনা মপুক্নিংদা নাংশিলাক্ল। শ্লোক তথুনি লখাদগী অসিনি।

কৃষ্ণ খুত্থম চনগনি— সোয়টপুবগী লাইরিক্তদি 'কৃষ্ণ বশ'' গী মতুং "কৃষ্ণ সেবা' হায়না ইহুনা লৈ।

শ্লো। ২। অন্বয়। বা (অমদি তুলসীদলমাত্রেণ (তুলসীগী তুলসামনা অমত্তগা লোয়ন ত্থনা) জলস্য (ঈশিংগী) চুলুকেন (খুজোক অমনা) ভক্তবৎসলঃ (ভক্তবু মুংশিনবা ভগবান) স্বমাত্মানং (মাগী আত্মাবু, মশাবু) ভক্তেভ্যঃ (ভক্তগী মফমদা) বিক্রীণীতে (য়োংলোবই)।

অনুবাদ। অমদি শ্রীকৃষ্ণগী চরণ তুলসী পান অমগা লৈনবা ঈশিং খুজোক অমত কচ্চবদা নমাইবু (ভক্তবু) নুংশিনবা ভগবান অমন্না মফমদা মশা মতু হেক্না ময়ে খোল্ল। ২।

"ভক্তবৎসল" অমসুং ভক্তেভ" শব্দ অনি তসিদগী খংবা ঙম্মী, ভক্তগা লোয়ননা শ্রীকৃষ্ণদা ঈশিং-তুলসা কৎলবদি ভক্ত অমগী মফমদ শ্রীকৃষ্ণগী মশা মতু পোন্থোক্ল—শোয়দনা। [illegible] পয়ার ৮৭ [illegible] অসিগী অর্থ মতুং হং। শ্রীঅদ্বৈতগী ভজনগী মতাংদা নমি— 'কৎলি কৃষ্ণগী মশাং থ [illegible] শংজত্লনা॥" মাসিদা ভক্তগা লোয়ননা জল তুলসী কৎপা নিয়ম বিধি লৈ হায়না খঙবা ঙম্মী।

এই শ্লোকার্থ আচার্য্য করেন বিচারণ।
কৃষ্ণকে তুলসী-জল দেয় যেই জন॥৮৩
তার ঋণ শোধিতে কৃষ্ণ করেন চিন্তন।
'জল তুলসীর সম কিছু ঘরে নাহি ধন॥৮৪
তবে আত্মা বেচি করে ঋণের শোধন।
এত ভাবি আচার্য্য করেন আরাধন॥৮৫

অর্থ :

শ্লোক সিগী অ চার তেই আচাযান।।
কৃষ্ণদা তুলসী ঈশিং ি ম ।।৮৩
কৃষনা বাখল ই ী নশি ন।
লন আমা লৈতে ঈশি তুলস গা মারণা।৮৪
তলগী নিন নিংচি নরবক যে স্তাক্তনা
সেনা হেত অচমান েতন।।৮৫

গৌর-কৃপা টীকা

তুলসগা ঈশি গা লেঈা নৎপা হঈশ ৎ প্রকা ী যুরিংনি অস্তা লা তাণেইনা লা।) গী ৬ শুবা নতাদা উ ।ি শ্রীমন হাপ্রভু শ্রীল রঘুনাথ দাস গোস্বামীদা গোবর্দ্ধনশী ম বু খুকমজনবা নিয়ম ৎাপংশ্মা—মাড়দি ঈশিং অমস্ত তুলসীনা মচাক ওইত্রনা খুনমগনি। শাক্ষ অসিদা নকুপ ভক্তবৎসল। (ভক্তবু মুংশিবিবা) ওই হাঈবা খঙহল্লি; ভক্তনা ইচম চম্না সেবা খজিক্তং তৌজবদস্ত ভগবান্না পেমবি। ভক্তিগা লোঈননা তুলসী নন মনং অমস্তং ঈশি থুতোক অমত তচ্চবদা শ্রীকৃষ্ণ মশানা কংলিবা ভক্ত অতুগী নামন শিংনবা মতিক চানা পেং লতে হাঙনা নীংতুনা মশামক্তা মশাবু ভক্ত অতুগী মফমনা দান তৌথোকই।

৮৩। শ্লোক অসিগী অর্থ—'তুলসীদল মাত্রেণ' শ্লোকী অর্থ। শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যনা মথক্কী শ্লোক অসিগী অর্থগী মরমদা বিচার তৌবদা, পযাব অহুমদা ইরিবা অসুম্না ("কৃষ্ণদা তুলসা ঈশিং" দগীহৌদনা 'শিংডি থরাই য়োম্বোক্তনা) তৌই। তুলসী ঈশিং—তুলসী অমসুং ঈশিং।

গৌর-কৃপা টীকা

৮৫। মাগী নামন—ঈশি তুলসা [illegible] মী অতুগী নামন [illegible] তুলসী-ঈশি, অতু নৌবগ কৃষ্ণন [illegible] তৌবকত, "কৃষ্ণ ঐনা [illegible] খন্দুন ভক্তন এ[illegible]ন্দা পীবকপদ [illegible] ভক্তগী মধুমদ [illegible]। ঈশিং [illegible]সাগ মান্নব [illegible] ভক্তগী [illegible] শ্রীকৃ[illegible] অতু মাগী মধুমদ [illegible]। [illegible] বৌব নশাক অতু[illegible] [illegible] অতুম তৌন্দুং নবৌব মবম [illegible] মী পাতুগী মথ পৌলি। হাঈং[illegible] ভক্তন নী[illegible] [illegible]।

[illegible] থলাই হব[illegible] [illegible] —মমন [illegible] ম ভব চাব। [illegible] অমত [illegible] ভক্তগী মধুমদ শ্রীকৃষ্ণগী মথা অতু [illegible] পীথোবগা তৌলি[illegible] নামন অতু [illegible] হাঙীব্বিব। অসগী বা মচ[illegible] মী আন [illegible] শ্রীকৃষ্ণ ঈশি-তুলসী কচ্চবর্দি শ্রীরূপ[illegible] মী অতুগা নী[illegible] মবম পুন্নমক [illegible] হাঙীব্দি [illegible] পৌলি) ম[illegible] তৌব [illegible] মপু [illegible]ইববপ্তু ভক্তগীদি মথ পৌলি।

আচম্বভগাং অসিদপ্তু ঐখোয়ন [illegible] বনাগুপ্তা মী অমন মহাজনগী [illegible] ভগমন্দ্রবর্দি মশামন্ন মহা[illegible] অতুগী থবক ইনথা [illegible] নামন [illegible] ভগবানগী [illegible] ঐথ[illegible] [illegible] —ভক্তগী নী[illegible] ভক্তন মাগী চবণ-সেব য[illegible] ভক্তগী নামন [illegible] মাতুম [illegible] শিংবা লৌইবদি [illegible] অমব [illegible] ভক্তগী সব অতু লৌবদি পোংথাদবনিন, [illegible] ভক্তগী [illegible] পৌনবগী অমব লৌইব নাইদে [illegible], মবমদি ভক্তগী মথ পৌনগ [illegible] পামজবন মফম থুদিদ বোইচন চেন্দুন [illegible] অতুনা থবব [illegible] যান্না তুংচাই। অসি খন্দন [illegible] অদ্বৈত [illegible]

গঙ্গাজল তুলসী মঞ্জরী অনুক্ষণ।
কৃষ্ণ পাদপদ্ম ভাবি করেন সমর্পণ ॥৮৬
কৃষ্ণের আহ্বান করে করিয়া হুঙ্কার।
এ মতে কৃষ্ণের করাইল অবতার ॥৮৭

অর্থ

গঙ্গাজল তুলসী মঞ্জরী অতৎপা লৈতনা।
কৎলি কৃষ্ণগী মখোঙ-থম্বাল নিংশিংজত্তুনা ॥৮৬
শ্রীকৃষ্ণবু লাউনা কৌই প্রেমগা লোইননা।
কৃষ্ণবু অবতার তৌহললী মতৌ অসুম্না ॥৮৭

গৌর-কৃপা টীকা

৮৬। মতম লৈবা খিবিক্তা অতৎপা লৈতনা শ্রীকৃষ্ণগী মখোঙ থম্বাল নিংশিংজত্তুনা শ্রীল অদ্বৈতনা গঙ্গাজল অমসুং তুলসী মঞ্জরী কৎলি।

গঙ্গাজল—গঙ্গাগী ঈশিং। ফংবদা অরায়বা পোৎ ওইবা অমসুং অশেংবা, অরূবা ওইবা মরম্না শ্রীআচার্যনা গঙ্গাজল কৎলি। গঙ্গাগী মপান্দা মহাক্কী লৈকম ওইরম্মী।

তুলসী মঞ্জরী—তুলসীগী মপান অপোম্ববু মঞ্জরী কৌই; শ্রীকৃষ্ণ পূজাগীদমক (সেবাগীদমক) তুলসী মঞ্জরী হেক্কপা মতমদা মপান অপোম্বগী নাকল অনিদা লৈবিবা মনা অনি অত্থ য়াওনা হেক্কনি। "তুলসী মনা অনিনা কোন্নবা মঞ্জরী নিপান কৎপা হৌনৈ। ৩।৬।২৯১ ॥" পয়ার অসি শ্রীমদ্দাস গোস্বামীগী মফমদা শ্রীমন মহাপ্রভুনা গোবর্দ্ধনগী নুং (গিরিরাজ পূজা তৌনবগী মরমদা পাওতাক পীরম্বনি। মাসিনা খঙনরিবদি শ্রীকৃষ্ণগী পূজাগী মরমদা তুলসী মনা চঙদবা য়াদে। শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাবু মুংশিজবদোনা তুলসী মঞ্জরীবুসু মুংশিজৈ, পামজৈ।

অতৎপা লৈতনা—মতম লৈবখিবিক্তা অকাউবা লৈতবা। কৃষ্ণগী মখোঙ থম্বাল নিংশিংত্তুনা—শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণ চিন্তা তৌত্তুনা (রাখন তৌত্তুনা)—শ্রীকৃষ্ণ লেংবিরক্তুনা সাক্ষাৎ শ্রীচরণতা তুলসী কচ্ছরি—অসুম হাঈনা পুক্লিংনা নীংত্তুনা তুলসী কচ্ছগনি। অতৈ অতোপ্পা পোৎ কৎপা মতমদসু মতৌ অসুম তৌনা রাখল তৌগনি (পুক্লিংনা নীংগনি)। থাক্লেংশেংনা অসুম হাঈনা পুক্লিংনা নীংত্রবদি সাক্ষাৎ ভজন্দা পুক্লিং য়ুংলে হাঈনা খঙনররোই। শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণতা পুক্লিংবু য়ুংত্রবদি—"মপোক কয়ামুক না তাবা কীর্ত্তন তৌবদা প্রেমগী লন কৎপা ভমদে কৃষ্ণগী চরণতা ॥১।৮।১

৮৭-৮৮। শ্রীচৈতন্য অবতারগী—শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যগী অবতারগী মরমদা। মাসিনা মরূনি—শ্রীল অদ্বৈত আচার্য্যগী পুক্লিংনা পাম্বদগী শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা অবতার তৌবগী মরূ

চৈতন্যের অবতারে এই মুখ্য হেতু।
ভক্তের ইচ্ছায় অবতরে ধর্ম্মসেতু ।৮৮

অর্থ :

মাসিনা মরূনি শ্রীচৈতন্য অবতারগী।
গৌরনা অবতার তৌই ভক্তনা পাম্বদগী ॥৮৮

গৌর-কৃপা টীকা

ওইবা মরম্নি। শাস্ত্রদা ইরিবা ধর্মগী নিয়মবু জীবদা তাকপিবগা মুংচনবগীদমক অকহই হাঈহুনা শ্রীগৌরাঙ্গবু ধর্ম্মবু তাকপিবা অমগা ধর্ম্মগী থোং হাঈনা খঙৈন। ধর্ম্মবু তাকপিনবা ভগবান্না ভক্তগী অপাম্বা য়েংই (নীংবা থুংহনগে হাঈহুনা) ধর্ম্ম চারনবগীদমক জগতা অবতার তৌই। প্রমাণ ওইনা মথাদা শ্লোক অমা শ্রীমদ্ভাগবতকী উচ্ছরি।

মতাং অসিদা রাকম অমসু খন্নীংঙই লৈরে, "শ্রীরাধায় প্রণয় মহিমা" নচিংদা শ্লোকগী খঙবা চম্মী মাহুদি শ্রীরাধাগী প্রেমগী মওম্না করম তৌবা, শ্রীকৃষ্ণ মশাগী নিংথিজবনা (মাধুর্য্যনা) করম তৌবা অমসুং শ্রীরাধানা মাধুর্য্য অতু চাবগ সুখ ফাংবা অতনা করম তৌগা— মরূ ওইবা মরম অহুম অসি খঙনীংবনা মরম ওইহুনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইনা অবতার তৌই হাঈগ্রে, অতু ওইররদি অনীংবা (বাঞ্ছা) অহুম অসি থুংনবগীদমক অবতার তৌবনা মরূনি, তৌইগুম্বসুং পয়ার অসিদা হাঈরিবদি অদ্বৈতনা পাম্বদগী (নীংবদগী) মরূ ওইনা চৈতন্য অবতার তৌবনি। ভাব অনি অসি তাইসিন্নবা যাননবগী মরম উচ্চরি—শ্রীঅদ্বৈ-পোক্তি হৈদগী হৌনা শ্রীকৃষ্ণনা বাঞ্ছা অহুম থুংননবগী অরতীর্ণ ওইহগে হাঈনা রাশকন্না লৈরবনি, তৌইগুম্বসুং মতম মুমিংনক্তি লেপথিদে। হন্দক শ্রীঅদ্বৈতনা শ্রীকৃষ্ণদা খুরুমজবকপা মতম অসি যুগকী অবতার অমা লাকপগী মতম চপ-চানা ওইররে। মরম অসিদগী শ্রীঅদ্বৈতনা কৌবিংঙে অসিদা বাঞ্ছা অহুম থুংননবগীদমক অবতার তৌহৌরগে হাঈহুনা মরূ ওইনা অবতার তৌবনি। অতুগা অবতারগী মতম লেপ্পগী মরূ ওইবা মরম্না শ্রীঅদ্বৈতনা গঙ্গাজল তুলসী-মঞ্জরী কত্তুনা কৌরিঙৈগী মতম অসিদা ভক্তগী নীংবা অমসু থুংহনগে হাঈহুনা অবতার তৌবা অমসুং অবতারগী মতম লেপ্পা অসিসু মরূ ওইবা মরম অমনি।

তথাহি (ভা, ৩।৯।১১)

ত্বং ভক্তিযোগ পরিভাবিত হৃৎসরোজ,
আসসে শ্রুতেক্ষিতপথো ননুনাথপুংসাম।
যদ্যদ্ধিয়াত উরুগায় বিভাবয়ন্তি তত্তদ্বপু
প্রণয়সে সদনুগ্রহায় ॥২১

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লো। ২১। অন্বয়। ননু নাথ (হে ইবুংঙো!) শ্রুতেক্ষিতপথঃ (বেদ-নচিংবা শাস্ত্র তাজদদা মী অতুনা ইবুংঙো মাবু ফংননগী উপায় উজরবা) ত্বং (নংনা) পুংসাং মী শিংগী) ভক্তিযোগ পরিভাবিতহৃৎসরোজ (ভক্তিযোগকী গুণ্না ফংবদা মতিক চাম্নবা থমোইগী থম্বান্দা) আসসে (লৈবি) উরুগায় (শাস্ত্র ময়াম্না নগুণ শক্লিবা হে ইবুংঙো) [তে ভক্তাঃ] (ভক্তশিং অতুদা ধিয়া (বুদ্ধিনা) যদযং (মাতুম মাতুম্না) বিভাবয়ন্তি (খাথন তৌবা), সদনুগ্রহায় (সাধুশিংগী মফমদা থৌজানবিগে হাঙবগীদমক) তত্তৎ (মাতুম মাতুম্না) বপুঃ (হকচাং) প্রণয়সে (নংনা মখোঙগী মফমদা ফোংদোকপি)।

অনুবাদ। হে ইবুংঙো! বেদ-নচিংবা শাস্ত্র তাজবদা মী অতুনা ইবুংঙো মাবু ফংননবগী উপায় উজরবা, অতুম ওইবা মী-শিং অতুগী ভক্তি যোগকী মগুণ্না ফংবদা মতিক চাম্নবা থমোই থম্বান্দা নংনা লেংশিনবিরিবনি। হে উরুগায়! অতুম অতুম ওইবা ভক্তশিং অতুগী বুদ্ধিনা অতুম অতুম ওইবা রূপ নীংজবা অতু মখোয়গী মফমদা থৌজাল হৈ হাঙবা ফোংদোক্কে হাঙবগীদমক মানা-মানা নীংজবগী মতুংইন্না হকচাং ওইতুনা নংনা মখোঙগী মফমদা ফোংদোকপিরিবনি। (শ্লোক অসি ভগবানগী মফমদ ব্রহ্মানা হঙ্গচ্চবনি)। ২১

শ্রুতেক্ষিত-পাথ—তাজবনা (বেদ অমসুং শাস্ত্র তাজবনা) ঈক্ষিত (উজববা) পথ (ফংননবগী লম্বি); বেদ অমসুং শাস্ত্রদা ভগবৎ ফংননবগী সাধনগী রা ইতুনা লৈ; বেদনচিংবা শাস্ত্র তাজরগা ভগবৎ ফংননবগী সাধন—পন্থা (তৌগদবা মওং) লেপকদবনি। শাস্ত্রদা নখল মখলগী সাধন—পন্থা তাক্লি। মখল পুম্নমকী সাধন অতু চিংথদনা মী অমতনা লোইনবা চংকদবা নত্তে: ভগবানবু ফংজনাংবা মী থুদিংমক্না মানা মানা পানজবা মওং মতুংইন্না শাস্ত্রদগী সাধন মতৌ থল্লোকচরগা নিয়ম অমগী মন্নুংচন্না ফংজনবা হোৎনফম থোকই। শাস্ত্রগী মন্নুং চন্দবা লনাইগী পুক্লিংনা শেম্বা সাধন্না ভগবান ফংবা হৌনদে। শাস্ত্রগী মপান থোকপা, পুক্লিংনা শেম্বা সাধনবু শাস্ত্র খঙবা পণ্ডিতশিংনা উৎপাৎনি হাঙনা শিংথানৈ।—"শ্রুতি—স্মৃতি—পুরাণ—পঞ্চরাত্রবিধিংবিনা। ঐকান্তিকী হরের্ভক্তিরুৎপাতায়ৈব কং ভক্তিরসামৃতসিন্ধু ধৃত—ব্রহ্মযামল বচন। পৃ, ২।৪৬॥"

এই শ্লোকের অর্থ কহি সংক্ষেপের সার।
ভক্তের ইচ্ছায় কৃষ্ণের সর্ব্ব অবতার ॥৮৯

অর্থ :—

শব্দগা হাইজবে অর্থ-চং শ্লোক অসগী।
কৃষ্ণগী অবতার পুম্নমক ইচ্ছানি ভক্তগী ॥৮৯

গোর-কৃপা টীকা

ভাগবতেগ পবিভাষিত—ইংসবোজ—ভক্তি যোগনা মল্লবা পমোয থংগা সমগ ভক্তি তৌজবনপা অড় মতম কৃইড়না ফজনা বাখল পুম্নমক শোকথড়না অকনগী শাস্ত্রা লানবা পমোয অড় যায়া ফজনা হাইজুনা থামাই থক্বাল হাইনা কৌবা য়াংলে, সনক্কী থামাই অড় থক্সানগী নাথাংম্না ফজনবা সেবা মতম লুপদা শিভগনপ্না লেংশিনবিনকই। ভগবান্ন অড়গুম্না থামোয় চড়বু ফলবদি গমক থাদনপা লেংত্র। তমম তোনখিবিলা ক্ষেদনা না হাইবসি—আস.স—শব্দনা থৎনৈ সদক্কপহায—সং (সাধু-ভক্ত) শিগী নফংদা থোড লম হ হাইবত্ত উংকে হাইবগীদমক ভক্তশিনা নইংগা। তজবা দান অং উইনী। শাস্ত্রদা ভগবানগী রূপ পুম্নমক শিথাজুনা লাং নপ পুম্নক অড়গী লুপনা ভক্তশিনা নানানানাপ মডবা রূপ মবুদ্ধিনা নমৌশিনা নঞ্জবগা নইংনৈ। অড়ু শুইনা ভক্তশি অড়গী নফমদা থোজ্জাল হৈব। উংকে হাইবগীদমক ভগবান্না নানামানা পামড়শিনা মুর্ত্তি অড় চোংথোক্লুনা উইনবা। ভগবান্না ভক্তগী নীব থুহনবা অসি ভক্তগী লাগা পোল্নী হাইবা তাকপনি, ভগবানদি মনিংমখা লম্না ঈশ্বর ওইরবস্ব ভক্তগী মথা পেনবতদি ময়াবে।

ভক্তবু মুংশিবিননিনা ভক্তগী নংবা থু জনবগীদমক শ্রীঅদ্বৈতনা থুবমজবদা জগৎ অসিদা অবতার তৌখি—মাসি প্রমাণ পীনিংজুনা শ্লোক অসি হাইরম্লাবনি।

৮৯। অতোপ্পা অর্থ অমনা, "ধিযা যদ যদ বিভাবয়ন্তি" অসিনচি বা শরুক অতোপ্পা নওং অমা ওইনা অর্থ তৌবস্থ য়াই। ভক্তশিংনা মাগী মাগী বুদ্ধি মতুংইন্না শাস্ত্রদা হাইরিবা ভগবানগী মশক অড় সেবা ফংজনবা হোৎনৈ (বাখন তৌই), অতুম অতুম ওইবা রূপ (মশক) অতুগী সেবা তৌজবা (ফংজবা) যাননবা মশাগী সিদ্ধ দেহ (পুক্নিংনা শেম্বা হকচাং) অমা লিংখৎলুনা বাখন (চিন্তা) তৌই, ভক্ত অতুগী মফমদা কৃপা তৌবিবা ওইনা ভক্তবু মুংশিবিবা ভগবান্না সিদ্ধ দেহ অতুদা উইনবি, হাইবদি ভক্ত অতুনা মানা পামজবিবা সেবা

চতুর্থ শ্লোকের অর্থ হৈল সুনিশ্চিতে।
অবতীর্ণ হৈলা গৌর প্রেম প্রকাশিতে॥৯০
শ্রীরূপ রঘুনাথ-পদে যার আশ।
চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস।৯১

ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে আদিলীলায়ামাশীর্ব্বাদ মঙ্গলাচরণে
চৈতন্যাবতার- সামান্য- কারণং নাম তৃতীয় পরিচ্ছেদঃ॥৩

অর্থ ঃ

মরিশুবকপা শোক্কী অর্থ মপূং ফাবে।
গৌরনা প্রেম শন্দোক্নবা অবতীর্ণ ওইরে॥৯০
শ্রীরূপ রঘুনাথ চরণ আশা তৌজরনা।
চৈতন্যচরিতামৃত লেংজে কৃষ্ণদাসনা॥৯১

শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত আদি-লীলাগী আশীর্ব্বাদ মঙ্গলাচরণদা চৈতন্যাবতারগী অচম্বা মরম (সামান্য-কারণ) ইবা অহুম শুবা মতাং লোইজরে।

গৌর-কৃপা টীকা

অহু ফংবা য়াননবা রাখল্লা সিদ্ধ দেহ (ভাবকী হকচাং) অমা শেমজবা অহু ভগবান্না চান্-বিহুনা সিদ্ধ দেহ অহু মপূং ফ হল্লে, অহুনা ভক্ত অহুনা সিদ্ধগী মওংদা সিদ্ধ দেহ অহুনা মালা পামজবা মতুংইন্ন সেবা ফংজবা ঙম্মা। মতৌ অসুম তৌহুনা ভক্তনা নীংজবা মতুং-ইন্না মহয় পীনরিবা ভগবান্না শ্রীঅদ্বৈতগী ইচ্ছা মতুংইন্না কলিদা অবতীর্ণ ওই, মাসি ওইথোক্লবা নত্তে

৯০। শ্লোক অসিগী—"স্বভক্তিযোগ" নচিংবা অসি শ্রীমদ্ভাগবতকী শ্লোক মথক্কী শ্লোক অসিগী অর্থ-মচং হায়রবু ভক্তগী ইচ্ছা মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণনা মতম পূর্ণনক্পা অবতার তৌই, হায়রসিনি।

৯১। মরিশুবা শ্লোক —"অনর্পিতচরীং চিরাৎ" শ্লোকা শ্রীল অদ্বৈতাচার্য্যগী রাখন্দগী কলিযুগতা জনগী মফমদা বস্তপ্রেম শন্দোক্নবা থৌজালহৈবা উংকে হায়রগীদমক স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইদুনা সংকীর্ত্তনবগে (অবতীর্ণ ওইরবে)—মাসি অনর্পিতচরী শ্লোক অর্থ মচনি অমসুং মতাং অসিদা শ্লোকী অর্থ অসুম ওইনা ফোংদোকচবে।

মরিশুবা মতাং

শ্রীচৈতন্যপ্রসাদেন তদ্রূপস্য বিনির্ণয়ম্।
বালোঽপি কুরুতে শাস্ত্রং দৃষ্ট্বা ব্রজবিলাসিনঃ॥১

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লো। ১ অন্বয়। শ্রীচৈতন্য প্রসাদেন (শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী থৌজাল্না) বাল (অজ্ঞাং) অপি (ঐমসু) শাস্ত্রং (শাস্ত্র) দৃষ্ট্বা (এচরা—অতানবা গৌরগা) ব্রজবিলাসিনঃ (ব্রজদা শান্নবিবা শ্রীকৃষ্ণগী) তদ্রূপস্য (শ্রীগৌরাঙ্গশক্ক) বিনির্ণয (মশক তেপ্পা) কুরুতে (তৌজগি)

অনুবাদ। শ্রীচৈতন্যগী থৌজাল্না অজ্ঞান (অজ্ঞানা মসু) লাইরিক শাস্ত্র ঊবগা ব্রজদা শান্নবিবা শ্রীকৃষ্ণন ওইববগী শ্রীগৌরাঙ্গগী তত্ত্ব লেপ্পা ঊমজে ১

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী তত্ত্ব লেপ্পা নির্ণয় মহাক্কী কৃপা লোঙ্গনগদবা ওই। ইবুঙ্গো মহাক্কী কৃপা লৌবিরবদি অজ্ঞানগী মতৌংদা পড়লবা মীসু লাইরিক চিংবা ঊবা মহাক্কী তত্ত্ব লেপ্পা ঊমজে। অদুগা মহাক্কী কৃপা নত্তবদি লাইরিক মখুত্তু যাম্না হৈরবা পণ্ডিত ওইববসু মহাক্কী তত্ত্ব লেপ্পা ঊমদে। শ্লোক অসিগী অর্থদি অমম্না ফোংদোকচরি, লাইরিক লেংবিবা কবিরাজ গোস্বামীনা মতৌংবদি হাঙ্গীনা ফোংদোকপা হাঙ্গীবদি— "শ্রীগৌরাঙ্গ তত্ত্ব লেপ্পদি এনা ইতিক চদে, অদুবু ইবুঙ্গো মহাক্কী কৃপা লৌবিরবদি অপঙবা মাসু লাইরিক লাইথু ঊবা মহাক্কী তত্ত্ব লেপ্পা ঊ। অদু হাঙ্গীনা খনজবদগী, মহাক্কী কৃপাগী মথক্তা নন্দুনা মহাক্কী তত্ত্ব লেপ্পবা এনা থরায় যাম্না হোৎনজরি।"

তত্ত্ব লেপ্পা তাববদি—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মশক অসি কনানো, করি মরমগীদমক মহাক্কা গৌর (কুচু অঙৌবা) ওইনা অবতীর্ণ হৌরবনো, মাসিসু খঙজিনবগী দরকার ওই; হাঙ্গীবদি অবতারগী কারবা খঙজিনবা (লেপ্প।) দরকাবনি। মহাক্কী মতাংদা অবতারগী মরম অমতং উচ্চধরে: তৌইগুসুসুং মাত্ অবতারগী মরু ওইবা মরম নত্তে, মরু ওইবা মরমদি, মতাং অসিদা ফংগনি; মরম অসিগীদমকসু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী কৃপা নিজরি।

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্তবৃন্দ ॥১
চতুর্থ-শ্লোকের অর্থ কৈল বিবরণ।
পঞ্চম-শ্লোকের অর্থ শুন ভক্তগণ ॥২

অর্থ

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয় অদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্তবৃন্দ ॥১
হৌজিক হাঙ্গজখরে মরিশুবা শ্লোকী অর্থ।
ভক্তশিংনা তাবিয়ু মঙাশুবগী অর্থ ॥২

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক্তা ইরিবা "ব্রজবিলাসিনঃ তদ্রূপং শবক অসিনা খঙনরিবদি, শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অসি ব্রজদা শান্নবিবা শ্রীকৃষ্ণগী শরুপ তমনি হাঙ্গৈবদি আবির্ভাব তমনি— দ্বারকাদা শান্নবা শ্রীকৃষ্ণগী অংশংবা আবির্ভাব নাত্ত। ব্রজ্য শান্নবিবা শ্রীনন্দগী মচানা ব্রজদা মনাই, সখা (মরুপ), মমা-মপা চান্নবা অসিনচিবা নাগী খঙনবা চান্নবা থিবিকা লোঙ্গননা লীলা শান্নি।

"শাস্ত্র দৃষ্ট্যা" বাহি অসিনা খঙনরিবদি, মসাং অসিদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী তত্ত্ব ইরুক-দৌবিবা অসি ভক্তশিংনা খঙবতা নাত্ত, শাস্ত্রদগী তত্ত্বশিংসি ইহুনা লৈরিবনি। অথবা ভক্তশিংনা খঙলিবা তত্ত্ব অদুদি ভক্তশিংনা থাজগনি, মরম য়েংকনবা মীশিংনদি থাজদবসু যাই, তৌইগুম্বসুং শাস্ত্রদা য়াওরবা তত্ত্ব ওইরবদি শাস্ত্র খঙবা মীশিংনা শোঙ্গদনা থাজগনি। মরিশুবা মতাং অসিদা মথক ওইনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অবতারগী মথক ওইবা মরম ইজরি, অমসুং মাতুগী মথমদা অহানবদা এহাক্কী তত্ত্ব লেপচরি।

১। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অমস্তং লোঙ্গনবা থিবিক্তা থুকমজহুনা লাঙ্গরিক লেংলিবনা, ইবুঙো মহাক্কী তত্ত্ব, অমসুং অবতারগী মথক ওইবা কারবা (প্রয়োজন) লেপ্পনবা হোৎনজরি।

২। মরিশুবা শ্লোকী—অহানবা মতাংগী মরিশুবা শ্লোক, ' অনর্পিতচরীং" শ্লোকী। হাঙ্গজখরে—অহুমশুবা মতাংদা অর্থ হাঙ্গজখরে। মঙাশুবগী—অহানবা মতাংগী মঙাশুবা শ্লোকী, "রাধা কৃষ্ণ প্রণয়বিকৃতিঃ" শ্লোকী।

মূল শ্লোকের করিতে প্রকাশ।
অর্থ লাগাইতে আগে কহিয়ে আভাস॥৩
চতুর্থ শ্লোকের অর্থ এই কৈল সার—।
প্রেম নাম প্রচারিতে এই অবতার॥৪
সত্য এই হেতু, কিন্তু এহো বহিরঙ্গ।
আর এক হেতু শুন আছে অন্তরঙ্গ॥৫

অর্থ

শ্লোকী মরূ ওইবা অর্থ ফোংদোক্নচকপদা।
মপানগী অর্থ হাংইক্নি মক হাঙ্গিদ্রিঙদা॥৩
মরিশুবা শ্লোকী অর্থ মচিদি অসিনি।
অবতার অসিদা প্রেমগা নামগা শন্দোকপনি॥৪
মাদুমক অচুম্বনিদি হাঙ্গবদু মপানি।
তাবিয়ু মমুং চনবা অর্থ অমা লৈবনি॥৫

গৌর-কৃপা টীকা

৩। শ্লোকী মরূ—"রাধা কৃষ্ণ প্রণয়বিকৃতিঃ" শ্লোকী মরূ মপানগী অর্থ—মমুংগী মরূ ওইবা নত্তবা। পয়ার ৪—৪৭ তা গ্রন্থকারনা মঙাশুবা শ্লোকী মপানগী অর্থ (ভুমিকা) পীজরি।

৪। মপানগী অর্থ হাঙ্গবা হৌজরকলি। অহুম শুবা মতাংদা "অনর্পিতচরীং" অসিনচিবা মরিশুবা শোকী অর্থ তৌখ্রে, মাদুগী মক ওইবা অর্থদি ভাবতি—শ্রীনাম অমসুং প্রেম শন্দোক্নবগীদমক শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অবতার তৌবনি।

৫। "অনর্পিতচরীং" শোক্তা শ্রীচৈতন্যনা অবতার তৌবগী মরম হাঙ্গজখরে, মাদুমক অচুম্বনি, তৌইশুম্নসুং মাদু মপানগী থোরাম্ন, মাদু নত্তবা মমুংগী মরম অমমু লৈরি। মমানা মপুক্লিংদা অনীংবা অমা লৈদুনা মাদু সিদ্ধ ওইনবগী পাংথোক্নবগী ভগবান্না জগৎতা অবতার তৌগে হাঙ্গনা রাশকখি (খনখি), মাদুবু অবতারগী মরূ অমদি মমুংগী মরম (থোরম) কৌই। অদুগা নীংলিবা অদু পাংথোক্নবগীদমক ভক্তশিংনা অবতারগীদমক প্রার্থনা তৌখি অমসুং মমুংগী রাশকখিবা (অনীংবা) অদু পাংথোকপগা লোইননা মপানগী থোরম অদুমু শোঙ্গদনা পাঙথোকফম থোক্কই, অদুনা মপানগী থোরম অদুবু অবতারগী মরমদা

পূর্ব্বে যেন পৃথিবীর ভার হরিবারে।
কৃষ্ণ অবতীর্ণ হৈলা—শাস্ত্রেতে প্রচার॥৬

অর্থ :—

পৃথিবীগী অশান্তা কোরবা দ্বাপর যুগ • ।
কৃষ্ণ অবতার • ই ইতুনা লৈ শাস্ত্রদা ।৬

গৌর-কৃপা টীকা

কয়া মক্ক ওইদবা মপানগী থৌরম হাঙ্গীন খঙ্গীন। নাম প্রেম শন্দোকরগীদমক শ্রীঅদ্বৈতনা শ্রীকৃষ্ণবু অবতার তৌনবা পাথনা তৌখি হমস • ন্নুগী অনীবা অত পাঙ-থোকপগা লোইনবা নাম প্রেম হদুম শন্দোকখি, • য়ম অশিনা নাম-প্রেম শন্দাক্কে হাঙ্গীনা খনবা হন্সিনা শ্রীচৈতন্য অবতারগী—মপান থ • • (ক।পূর্ফাৎ তবা) মরম্নি (থৌরম্নি)।

৬ দ্বাপর যুগ • হ অবতার তৌনিবা শ্রীকৃষ্ণনা হর • তনী মর• দা মতু মপান ন • হবগী মরম উৎতুনা তাকি। য়ুর ৬।১২ ফাওন্দ শ্রীকৃষ্ণ অবতরগী মপানগী মরম হাঙ্গীরি অমসুং পযার ১৪ দা • ন্নুগী মরম হাঙ্গীন। পৃথিবীগী অশান্তা—হিংতাবশিংনা প্রজাদা ওৎ নৈবা। হি চান্নগ পুকচেন চেননা নি থৌশি •• প্রজাদা ওৎপদা পৃথিবীনা রাবতুনা মাহু কোক্লনবগীদমক মশানা যনবী অগগী মশক শোতুং। ব্রহ্মাগী মনাক্তা লাক্তুনা অরাবা মরম অতু রাগী লীতুনা খংহৌল্ল। মতো অতুদা ব্রহ্মানা শঙ্কর অমসুং অতৈ অতোপ্পা লাই-শিংগা লোইননা ক্ষীরোদ সমুদ্র মপ ন্দা চংতুনা পুক্নিং অমতা ওইনা নারায়ণবু নীংখি (স্তব তৌখি)। মতম খরা লৈরগ আকাশবাণী তৌরক্লনা ব্রহ্মাদা খঙহনখি, মাতুদি, পৃথিবীগী অশান্তা কোক্লনবগীদমক স্বয় ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা যাম্না থুনা বসুদেবগী যমদা পোক্লরগনি। (শ্রীভা, ১০।১)। মাতুগী মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা জগৎতা অবতার তৌখি। ইতুনা লৈ শাস্ত্রদা—শাস্ত্রগী চংনবি সাধারণ অর্থদা খঙবা ঙম্মা (পৃথিবীগী অশান্তা কোক্ল-নবগীদমক শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা অবতার তৌই, তৌইগুম্বসুং শাস্ত্রগী থাঙ্গৈশেংবা মতুংগী অর্থদি মাহু নত্তে)। পযার ৩৩ দা উংলি—পৃথিবীগী অশান্তা কোক্লনবা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌরিবা অসিদি মপানগী মরম্নি (মতুং চনবা মরম নত্তে), অতুগুমতুনা নাম-প্রেম শন্দোকপসু শ্রীচৈতন্যনা অবতার তৌবগী মপান-ক্তৈবা মরাম্ন, মতুং চনবা মরম নত্তে।

স্বয়ং ভগবানের কর্ম্ম নহে ভার হরণ।
স্থিতি কর্ত্তা বিষ্ণু করে জগত পালন ॥৭

অর্থ :—

স্বযং ভগবান্দি তৌদে অকন্বা কোক্‌হনবা।
ঙাক্‌পিহৈবা বিষ্ণুনা তৌই জগৎ ঙাক্‌বা ॥৭

গৌর-কৃপা টীকা

৭। পৃথিবীগী অকন্বা কোক্‌হনবদি শ্রীকৃষ্ণ অবতারগী নপানগী মরম (থোরম) ওইকরিবা করি মরমগীনো, মাদু হাঙ্গজবি।

পৃথিবীগী অকন্বা (উৎপাত) কোকহনবদি স্বযং ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রগী মথৌ (থবক) নত্তে ; জগৎপু ঙাকপিরিবা মপু শ্রীবিষ্ণুনা সাক্ষাৎ ওইনা হিংচাবশিংবু মাঙহন্দুনা যৈথাই-থিনগাইবা অরাবা পুম্নমক কোক্‌হন্দুনা পৃথিবীবু ঙাকপিবি। স্বাংশ-অবতার ক্ষীরোদশায়ী-বিষ্ণুগী (মনামহৌগী) মথক্তা থবক পুম্নমক অসি শিন্নৈ। বিষ্ণুনা যুগাবতারনচিংবা ওইদুনা হিংচাবা মাঙহনবগী থবক তৌই। মরম অসিনা হিংচাবা মাঙহন্দুনা পৃথিবীগী অরাবা কোক্‌হনবগীদমক্তি স্বযং ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র অবতীর্ণ ওইবগী দরকার (প্রযোজন, বাদ্দবা) নাদে ; মরম অদুনা পৃথিবীগী অকন্বা (অরাবা) কোকহনবদি মহাক্কী অবতারগী মরম ওইবা মরম ওইবা যাদে। গীতাদসু অর্জুনগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গখি—ধর্ম্মনা মযেক তারক্‌নুনা অধর্ম্মনা (ধর্ম্ম নত্তবনা) চাওখৎলবপা মতমদা মহাক্না সাবশিংবু কন্নবগীদমক অমসুং ফত্তবা তৌবিবশিং অদুবু মাঙহন্নবগীদমক অদুগা অচুম্বা ধর্ম্ম লিংখৎনবগীদমক যুগ যুগতা (যুগ খুদিংদা) অবতীর্ণ ওই। "যদা যদাহি ধর্ম্মস্য গ্লানির্ভবতি ভারত। অভ্যুত্থানম ধর্ম্মস্য তদাত্মানং সৃজাম্যহম ॥ পরিত্রাণায় সাধুনাং বিনাশায় চ দুস্কৃতাম। ধর্ম্ম সংস্থাপনার্থায় সম্ভবামি যুগে যুগে ॥ ফত্তবা মীশিংনা উৎপাত (ফত্তবা শাক্তং) তৌবদগী ধর্ম্মগী মংহং তারকই, অধর্ম্ম চাওখৎলকই (হেনগৎলকই), সাধুশিংদা ওৎ-নৈননচিংবা ফত্তবা শক্তং তৌশিল্লকই হাঙ্গবদি জগৎকী য়ানবা অমঙ্গল ওইননবা চৎথরকই। মরম অসিনা ফত্তবা মীবু লাকশিন্নবা, অফবা মীবু ঙাকপিনবা, পৃথিবীগী অকন্বা (অরাবা) কোকহনবা থবক পুম্নমক অসি পাংথোক্নবগী দমক শ্রীকৃষ্ণনা যুগ যুগতা (যুগ খুদিংদা) অবতীর্ণ ওই।

তোইগুম্বসুং ইবুংঙো মহাক্তি স্বয়ং ওইনা ব্রহ্মাগী নোংমগী মনুংদা অমুক্তংদা অবতীর্ণ ওই, যুগ যুগতা হাঙ্গবদি যুগ খুদিংদা অবতীর্ণ ওইদে, ব্রহ্মাগী নোংমগী মনুংদা যুগ

কিন্তু কৃষ্ণে সেই হয় অবতার-কাল।
ভারহরণ কাল তাতে হইল মিশাল॥৮

অর্থ :—

তৌইগুম্লদং কৃষ্ণগী অবতার মতমদা।
পৃথ্বী 'ৱাবা কোক্‌হনবসু তিনথরে মাঙোন্দা॥৮

গৌর-কৃপা-টীকা

লিশিং অমা লৈ হাঈবদি যুগ লিশিং অমনা ব্রহ্মাগী নোংমা শাই। যুগ খুদিংদা অবতার তৌরিবা অসিদি যুগাবতারনি। মাসিনা খঙনরিবদি—পৃথিবীগী অৱাবা কোক্ক-বগীদমক যুগাবতারনা অবতীর্ণ ওই; যুগবতারনা থবক পূমমক অসি পাঙথোক্কই; মরম অদুনা স্বয়ং অবতীর্ণ তৌবগী কান্নবা (প্রয়োজন) লৈতে। অদুম ওইনমক অর্জ্জুনগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঈখি—"এৱা যুগ যুগতা" অবতীর্ণ ওই—"সম্ভবামি যুগে যুগে," মাসিগী মনুংগী অর্থদি, যুগ যুগতা মহাক্না যুগাবতার ওইদুনা অবতীর্ণ ওই স্বয়ং ওইনদি নত্তে হাঈবনি। যুগাবতারসু শ্রীকৃষ্ণগা মশক অমতনি। অসুম হাঈনা অর্থ লৌগ্রবদি শাস্ত্র পূমমক্কা মান্নররে'ই (চুনররোই)। মতুংগী পয়ার ১৪দা য়েংবিয়ু।

অৱাবা কোকহনবা—হিংচাবা মাঙহন্দুনা পৃথিবীগী অৱাবা কোকহনবা। ভাকপি-হৈবা বিষ্ণু—ক্ষীরাব্ধিশায়ী নারায়ণ (মণিপুরীনা সনামহী হাঈনৈ)।

৮। পৃথিবীগী অৱাবা কোক্‌হনবা অসি শ্রীকৃষ্ণ নত্রবদি, মহাক্না শ্রীকৃষ্ণগা করিগুম্বা মরী অমতা তশেংনা লৈনদ্রবদি অৱাবা কোক্‌হনববু মাগী অবতারগী মপানগী মরম্লি (মনুংগী মরম নত্তে) হাঈবা করি মরমনো; মাসিগী পাউখুম পীজরি পয়ার ৮—১০ কাওবদা।

পৃথিবীগী অৱাবা কোক্‌হনবগী দমক যুগ অবতার অমা লাকপগী মতম ওইরক্লবদা, মতম অদুমক্তদা স্বয়ংভগবানসু অবতরণ (ফোংদোক্‌পগী) তৌবগী মতম ওইখি; থাদোক্লবা য়াদবা (কাউবা য়াদবা) নিয়ম অমা লৈবা'দ, পূর্ণতম ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা জগৎতা অবতীর্ণ ওইবা মতমদা, অতোপ-অতোপ্পা ভগবংকী মশক পূমমক—নারায়ণ, চতুর্ব্যূহ, মৎস্য কূর্ম্মনচিংবা লীলাবতার, যুগাবতার, মন্বন্তরাবতারনচিংবা পূমমক্লা—শ্রীকৃষ্ণগী বিগ্রহ (মশা) মনুংদা অবতীর্ণ ওইরৈ, অমনা শ্রীকৃষ্ণগী বিগ্রহ অসি পূমমক্লা তিনবা হকচাংনি। মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ ওইবা মতমদা ভাকপিহৈবা মপু বিষ্ণুসু লাক্লনা শ্রীকৃষ্ণগী মশাদা তিন্দুনা লৈ। শ্রীবিষ্ণুনা মুখিংলৈ ওইনা প্রমাণ তৌরগা শ্রীকৃষ্ণনা লৈ পাম্বিনি। শ্রীকৃষ্ণনা মশাগী মনুংদা লৈরিবা বিষ্ণুবু পৃথিবীগী অৱাবা কোক্লনবা থবক তৌহল্লী।

পূর্ণ ভগবান অবতরে যেই কালে।
আর সব অবতার তাঁতে আসি মিলে ॥৯

অথ :–

পূর্ণ ভগবান্না অবতার তৌবা মতমদা
অবতার পুম্নমক লাক্না তিল্লে মাডোন্দা।৯

গৌর-কৃপা টীকা

বিষ্ণুগী মশাদি মতম অতুন্দি তোংঙান্না থইদাক্না লৈতবনিনা শ্রীকৃষ্ণগী মশা অতুদা লৈকপা থবক অতু ঙতুম পাঙথোকই, মবম অতুনা থাইগী মিংযেংদা অমসুং পুক্নিংদা শ্রীকৃষ্ণনা হিংচাবা মাঙহনবনচিংবা থবক তৌই হায়না উবিবনি ঙমসু নীংনরিবনি। মরম অসিনা পৃথিবীগী অৱাব কোকহনবনু কৃষ্ণ অবতারগী থৌবম অমনি হায়না। থাঙ্গশেংবদি অৱাবা কোক্নবা থবক অতুগা শ্রীকৃষ্ণগা কবিগুন্না মবী অমত্তা সাক্ষাৎ লৈনদে, বিষ্ণুগা ইবুংঙো মহাকদি সাক্ষাৎ মৱা লৈনৈ অমসু বিষ্ণু অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী মশাদা চংতুনা লৈরুবা মমম অতুতনা পৃথিবীগী অৱাবা কোকহনবগা শ্রীকৃষ্ণগা, থইনা পরম্পরাদগী মবা খবদংদি লৈনৈ হায়তুনা পৃথিবী অৱাবা কোকহনবনু শ্রীকৃষ্ণ অবতারগী মপানগী (বহিরঙ্গ) মরম অমনি হায়কবিবনি।

তৌইগুম্নসুং—পৃথিবীগী অৱাবা কোকহনবা স্বয়ং ভগবানগী থবক নত্রবসু। কৃষ্ণগী অবতার মতমদা—পৃথিবী অৱাবা বোকহন্নবগীদমক বিষ্ণুনা অবতার তৌবা মতম অতু শ্রীকৃষ্ণনা অবতরণ (কোংদোকপগী) তৌবা মতমগা চপ চানকবে (মান্নবরে)। পৃথিবীগী অৱাবা কোকহনবতু পৃথিবীগী অৱাবা বোকহন্নবগীদমক বিষ্ণুগী অবতারগী মতমতু। মাতুদা —কৃষ্ণগী অবতারগী মতমগা লোয়নননা তিন্নখরে। অনিমক্কী অবতরণ তৌবগী মতম, মতম অমত্তুদা ওইখিবা মরম্না কৃষ্ণ অবতারগী মতমগা লোয়নননা পৃথিবীগী অৱাবা কোকহনবগী মতমগা তিন্নখবে, হায়বদি পৃথিবীগী অৱাবা কোক্নবগীদমক শ্রীবিষ্ণুনা তোঙান্না, তোপ্পা অবতীর্ণ ওইদরে, শ্রীকৃষ্ণগী মশাদা চঙতুনা অবতীর্ণ ওইবে। ১।৪।১৪ পয়ার টিকাদা য়েংবিয়ু

৯। পূর্ণ ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা অবতীর্ণ তৌবা মতমদা, অতোপ্পা অবতার লাক্না মাগী মশাদা তিল্লে।

পূর্ণ ভগবান—অংশ পুম্নমক্কা লোয়নবতুবু পূর্ণভগবান কৌই। মচেৎ পুম্নমক্কা তিন্নববা পোংশক অতু মপুংফাবা পোংশক কৌই। পূর্ণ ভগবানগী মশাদা অংশ পুম্নমক তিন্দুনা

নারায়ণ চতুর্ব্যূহ মৎস্যাদ্যবতার।
যুগমন্বন্তরাবতার যত আছে আর ॥১০
সভে আসি কৃষ্ণ-অঙ্গে হয় অবতীর্ণ।
ঐসে অবতরে কৃষ্ণ ভগবান পূর্ণ ॥১১

অথ

নারায়ণ চতুর্ব্যূহ মৎস্যাদি অবতার নচিং।
অদুবা খিবিব যুগমন্বন্তরাবতারনচিবা ॥১০
কৃষ্ণগী হকচাংদা তিল্লে পূম্নমক লাক্লুনা।
অসুমনা অবতরে পূর্ণ কৃষ্ণ ভগবান ॥১১

গৌর-কৃপা টীকা

লৈ, অংশ (মনম) পূম্নমক অসি তিন্দুনা নোংমদবদি পূর্ণ ভগবান হৌইবোইদোবনি। বৃন্দাবনগী লীলা ফোংদোকপা শাস্ত্রসিংদা ভগবৎকী মশক পূম্নমক উবা ফংদে, অদুনা পূম্নমক অদু শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা অবতীর্ণ ওইবনি।

শ্রীবৃহদ্‌ভগবতামৃতত হায়নি—ঐক স কৃষ্ণো নিখিলাবতারা—সমষ্টিরূপ—স্বয় ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র অসি অবতার পূম্নমকী লৈফম্ন ২।৪।১৮৬। তত্ত্ব অসি শ্রীমন্‌ মহাপ্রভুগী মফমদসু তাকশিনা উবা ফংখি। নবদ্বীপ-লীলাদ শচীগী মচানা হকচাংদা রাম-সীতা-লক্ষ্মণ (চ, ভ, মধ্য ১০) অমসুং কুর্ম্ম-নৃসিংহ-বামন বুদ্ধ-কল্কি অমসু শ্রীকৃষ্ণ (চৈ ভা মধ্য, ২৫ অমসু ৮), নারায়ণ (চ, ভা, মধ্য ২), বরাহ (চৈ, ভা, মধ্য, ৩), বিশ্বরূপ (চ, ভা, মধ্য ৬), শিব (চ, ভা, মধ্য ৮) বলরাম (চৈ, চ, ১ ১৭ ১০৯—১৩), লক্ষ্মী-রুক্মিণী ভাগবত (চৈ ভ, মধ্য ১৮) অসিনচিংবা ভগবানকী মশক পূম্নমক উইনা লাকপক ফবা মাশি অদুনা রূপ মথান অসি দরশন ফংবা মতমদা শচীনন্দন ওইনা উখিদ্রবনি। শচীনন্দনবু (শ্রী গৌরাঙ্গবু) রূপশি অসি ওইনা উখ্রবনি। রায় রামানন্দনা প্রভুবু লপ্নোইনগী মতমতা শ্রীরাধা-কৃষ্ণ ওইনা উখি। ইবুংঙো মহাকা মফম অম্বান্দা পাঙ্গোম তবক পাননা ওইনা উইনখি।

১০—১১। মথক্কী পয়ারদা অবতার পূম্নমকী-মবম হায়রকখবে। নারায়ণ—পরব্যোমাধিপতি নারায়ণ। চতুর্ব্যূহ—বাসুদেব, সঙ্কর্ষণ, প্রদ্যুম্ন অমসুং অনিরুদ্ধ ব্যূহ মরিনি। দ্বারকানাথ শ্রীকৃষ্ণগী ব্যূহ মরি লে অমসুং পরব্যোম নাথ নারায়ণগীসু ব্যূহ মরি লৈ। মৎস্যাবতারনচিংবা—মৎস্য কুর্ম্মনচিবা লীলাবতার। যুগমন্বন্তরাবতারনচিংবা—যুগাবতার অমসুং মন্বন্তরাবতার।

অতএব বিষ্ণু তখন কৃষ্ণের শরীরে।
বিষ্ণুদ্বারে করে কৃষ্ণ অসুর-সংহারে ॥১২
আনুসঙ্গ কর্ম্ম এই অসুর মারণ।
যে লাগি অবতার, কহি সে মুল কারণ ॥১৩
প্রেমরস-নির্য্যাস করিতে আস্বাদন।
রাগমার্গ-ভক্তি লোকে করিতে প্রচারণ ॥১৪

অর্থ

বিষ্ণুনা কৃষ্ণগী মশাদা লৈবা মতমদা।
কৃষ্ণনা হিংচাবা মাঙহল্লি বিষ্ণুগী থোঙদা ॥১২
মতুংইল্লকপা থবক্নি হিংচাবা মাঙহনবদি।
মরূ ওইবা মরম কৌই অপাম্বতুবুদি ॥১৩
প্রেমরসকী মহাও চাগে হাঙ্গৈনা নীংতুনা।
রাগমার্গ ভক্তিবু শন্দোক্কে হাঙ্গৈনা খন্দুনা ॥১৪

গৌর-কৃপা টীকা

১২। পূর্ণ ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অবতরণ তৌবা মতমদা অতোপ্পা ভগবংকী মশক পুম্নমকস্তু মহাক্কী হকচাংদা চঙতুনা লৈ হাঙ্গৈতুনা জগংপু ঙাকপিরিবা শ্রীবিষ্ণুসু শ্রীকৃষ্ণগী মশাদা চংতুনা লৈ। বিষ্ণুগী থোঙদা—মাগী মশা মন্নুংদা লৈরিবা বিষ্ণুনা পাঙ্গৈ ওইতুনা শ্রীকৃষ্ণনা হিংচাবা মাঙহন্দুনা পৃথিবীগী অরাব। কোকহল্লী, শ্রীকৃষ্ণ মশানদি তৌদে।

১৩। হিংচাবা মাঙহনবগী থবক অসি শ্রীকৃষ্ণ মশাগী থবক নত্তে হাঙ্গৈতুনা কৃষ্ণাবতারগা লোয়নবা মতুং ইল্লকপা থবক্নি, মরূ ওইবা থবক নত্তে। মতুং ইল্লকপা—পোংতপ কুপ্পা। অপাম্বতুবুদি—থাঙ্গৈশেংনা পাঙথোক্লীংতুনা অবতার তৌরক্লিবা মরম অতুবুদি।

১৪। শ্রীকৃষ্ণ অবতারগী মরূ ওইবা মরম হাঙ্গৈবদি মন্নুংদা লৈবা মরম হাঙ্গৈজরি। প্রেম-রসকী মহাও চাগে হাঙ্গৈতুনা অমসুং রাগমার্গ ভক্তি শন্দোক্কে হাঙ্গৈবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌবনি হাঙ্গৈবসি মন্নুংগী মরম্নি।

প্রেম—শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা ভক্ত অতুনা ঐশ্বর্য্যনচিংবগী জ্ঞান য়াওদনা শেংনা নুংশিবা। রস—কৃষ্ণগী মফমদা নুংশিবা অদু, ভাবকা লোঙ্গননা তিন্নখিতুনা হাঙ্গৈফম থওদবা অঙকপা মহাও ফংবা অদুবু ভক্তি রস কৌই। শান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর মখল

গৌর-কৃপা টীকা

মভা থোক্না কৃষ্ণদা নুংশিবা লৈ; নুংশিবা মভা অসিবু রস মভা হাঙ্গনা কৌনরকই শান্ত রস, দাস্য রস, সখ্যরস, বাৎসল্যরস অমসুং মধুর রস। কৃষ্ণভক্তি রসকী মনুংদা মভা অসিনা অথোইবনি। মভা অসি নত্তবা মপানগী রস তরেৎ অমগা লৈরি; মাদুদি—হাস্য (অনোকপা), অদ্ভুদ (অঙকপা, বীর (অকনবা), করুণ (থোক্লান লৈবা, অথোংপা), রৌদ্র (অয়াকপা) বীভৎস (তুক্কচবা), অমসুং ভয় (অকিবা)। (মধ্য—লীলাইগী লীলাগী মতাং ১৯ দা শন্দোক্লা ইরি।) ব্রজ বৃন্দাবন—দদি শান্তরস লৈতে, অতোপ্পা রস মরি অসিদা মরৈ। প্রেম রস—রাখনগা লিন্নখিদুনা অঙকপা ফংলনা প্রেম। মহাও মচি।

রাগ সেবা চচ্চবিবা ইবুংঙোদা য়াম্না থোয়াংবা। ইশাগী নুংঙাইনা ওইজবা থাদোকতুনা ইষ্টবস্তু ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু সেবা তৌজহুনা পেম্নবগীদমক মহৌশাগী ওইনা (নিত্তিগী ওইনা) থোৱাংবা পোকপা অদুবু রাগ কোই।

মী অদুগী পুক্লিংদা রাগ অসিবু পোক্লবদি মতাক্লা মওম লৈবা থিবিকপা শ্রীকৃষ্ণগী মরমতদা খন্দুনা লৈগান—মিংনা করিগুম্বা পোৎ অমা উরবস্তু, মাদু শ্রীকৃষ্ণ নত্রগা শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা শজিন্নবা য়াবা পোৎনি হাঙ্গনা পুক্লিংনা নীংগনি; নাকোংনা থবিগুম্না অমা তাবদা, মাদুবু শ্রীকৃষ্ণনি নত্রগা শ্রীকৃষ্ণগা নবী লৈনবা পোৎ অমগী থোঞ্জেনি হাঙ্গনা খনগান; নাকোংনা করিগুম্না মনম নুংশিবা পোৎ অমগী মনম ফংলগা শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী মনম নত্রগা শ্রীকৃষ্ণগা মরী লৈনবা করিগুম্না পোৎ অমগী মনম্মি হাঙ্গনা পুক্লিংনা নিংগনি; অদুগা মহাকী পুক্লিং তত্তুনা মওম লৈবথিবিকপা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ওইবা য়াবা মরমতদা খন্দুনা (লুপ্তনা) লৈগনি। শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজগী পরিকর (ইমুং-মনুং লোইনবশিংগী) মনুংচনবা মীশিংনা শ্রীকৃষ্ণগা মরী লৈনবা রাগ অসিতা নিত্তিগী অরেম্বা ওইনা খন্দুনা লে: অসিগুম্বা ভাবকা লোইনতুনা শ্রীকৃষ্ণ-সেবা তৌবা অদুবু রাগাত্মিকা ভক্তি কৌই। রাগময়ী ভক্তির হয় রাগাত্মিকা নাম। ২।২২।৮৫।" রাগাত্মিকা ভক্তি অসিগী মতুংইনজবা ভক্তি অদুবুনা হাঙ্গবদি ব্রজ পরিকরশিংগী মতুংইন্দুনা, মথোঙ্গী মনাইনি হাঙ্গনা খল্লতুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌজবা অদুবু রাগানুগা ভক্তি কৌই।

রাগ মার্গ ভক্তি—রাগ মার্গগী ভক্তি, রাগানুগা ভক্তি। 'মার্গ' রাহৈগী অর্থদি লম্বেল হাঙ্গবনি—মফম অসিদদি ঈশ্বর ফংনবা হোৎনবগী লম্বেল (সাধনপন্থা) হাঙ্গগান। রাগাত্মিকা ভক্তিদি হোৎনবনা (সাধনা) ফংফম থোক্তে; মরমদ, মাসিদি নিত্যসিদ্ধ ওইরিবা ব্রজ পরিকর (ব্রজগী মনুংদা লোইনতুনতা লেরিবা) গী মনুংদা ওইবনি (শন্দোক্লা ইবিবদি

গৌর-কৃপা টীকা

মধ্যলীলাগী (মরাইগী লীলাগী মতাং ৮২ দা য়েংবিয়ু) মরম অসিনা রাগমার্গ ভক্তি হাঙ্গীরগা মকম অসিদা রাগাত্মিকা ভক্তিবু খঙনফম থোক্কে । রাগানুগা ভক্তিদি হোৎনজরগা (সাধনা) ফংই ; মকম অসিদা রাগানুগা ভক্তিবু খঙনৈ । শব্দোকে হাঙ্গীদুনা—মী খুদিং-মকপু খঙহনগে হাঙ্গীদুনা ।

মথক্কী পয়ারদা হাঙ্গীদ্রিবা "অপাস্বত্বুদি" হাঙ্গীবা বাহৈ অদুগী অর্থদি, পয়ার অসিনা ওইগনি । প্রেম-রসকী মহাও চাগে হাঙ্গীদুনা অমস্তুং মীশিংদা রাগমার্গ ভক্তি শব্দোকে হাঙ্গীদুনা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার ৎৌবনি—মাস পয়ার অসিগী অর্থনি (পয়ার অসিদা ক্রমদুনা থনঙ্গান 'অবতার' শব্দ অসি) ।

মশাগী নুংঙাইনবগী বাখন শুকয়াও য়াওদনা শ্রীকৃষ্ণগী নুঙাইনবগীদমক সেবা তৌজনীংবা অদুম ওইবা ভক্ত অদুনা, শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান শুনা ওইবা অশেংবা প্রেম ফোংদোক্লিবা, অদুম ওইব অশেংবা প্রেম অদুবু, মহাও লৌগে (আস্বাদন তৌগে) হায়বগীদমক অমস্তুং কলিদা জীবশিংদা রাগানুগা ভক্তি শব্দোকে হাঙ্গীবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজদা অবতীর্ণ ওইবনি। মাসিনা শ্রীকৃষ্ণাবতারগী মতুং ওইবা মরাম্ন ।

শ্রীকৃষ্ণনা মতৌ করম্না থোরম অনি অদু থুংখিবগে হাঙ্গীবদু মতুংগী পয়ার ২৯/৩০ দা ফোংদোকচরি ।

স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রন অবতার তৌবগী মরম করিনো? গীতাদ অর্জুনগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গীখি—"যদা যদাহি ধর্ম্মস্য গ্লানির্ভবতি ভারত । অভ্যুত্থানমধর্ম্মস্য তদাত্মানং সৃজাম্যহম্ ॥ পরিত্রাণায় সাধুনাং বিনাশায় চ দুষ্কৃতাম্ । ধর্ম্মসংস্থাপনার্থায় সম্ভবামি যুগে যুগে ॥" শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গীরিবা অসিদগী খঙবা উম্লিবদি, ফত্তবা মীশিংনা ওৎ-নৈবদা ধর্ম্মনা ময়েং তাবকবদা অমস্তুং অধর্ম্মনা চাওখৎলক্লবদা ধর্ম্মলিংখৎননবগীদমক অমসুং ফত্তবা মী-শিংবু মাঙহনবগীদমক অদুগা সাধুশিংবু ঙাক্লনবগীদমক মতম অদুদা মহাক্না যুগ যুগতা অবতীর্ণ ওই । ফত্তবা মীশিংনা ওৎ-নৈরিবাস জগৎকী শান্তি থুগাইরিবনি (শান্তি কাঙ্গনবগী মরম্নি) ; ওৎ নৈবসিনা হেনগৎলক্লগা ধর্ম্ম ময়েং তারকই, অধর্ম্ম চাওখৎলক্লই অমসুং সাধু-শিংনা য়াম্না ৱাজৈ ; জগৎ ঙাকপগী থৌরমদা হৈখাঙ্গীবা, থুগাইবা ওইরকই । জগৎপু ঙাক্লনবগীদমক অশান্তি অসিবু মাঙহনবা দরকারনি (প্রয়োজনি) । মরম অসিনা অশান্তি অসি মাঙহল্লগা জগৎপু ঙাক্লনবা হোৎনবা হাঙ্গীবা অসি তৌদবা য়াদবা থবক্নি । থবক অসি পাঙথোক্কে হাঙ্গীবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা যুগ যুগতা হাঙ্গীবদি যুগ খুদিংদা অবতীর্ণ

গৌর-কৃপা টীকা

৩ই। হৌজিক থবক্তম অমা ৱৌবনে, মাহুদি, জগৎ ডাকুনবগী দমক যুগ খুদিংদা শ্রীকৃষ্ণ মশামক্না স্বযং ওইনা অবতীর্ণ ওইব্রা নত্রগা অংশ্নিং কনাগুম্বা অমনা অবতীর্ণ ওইব্রা? তৌইগুম্বসুং কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙ্গিবম্রিবদি—স্বযং ভগবান্দি "কৃষ্ণনা অমুকুং কোংই ব্রহ্মাগী নোংমদা লীলা শাগ্নি কো দোক্লা মাযাগী ব্রহ্মাণ্ডদা" ১/৩/৪॥" বাহৈ পনেং অসিনা থক্তনবিবদি শ্রীকৃষ্ণনা স্বযং ওইনা ব্রহ্মাগী নোংমদা (হাঙ্গিবদি কল্প অমদা) অমুক্তা অবতীর্ণ ওই, যুগ যুগ শা হাঙ্গিবদি যুগ খুদিংদা অবতীর্ণ ওইদে। তৌইগুম্বসুং গীতাদা হাঙ্গিরিবনা ইবুংগো শ্রীকৃষ্ণনা যুগ যুগতা অবতীর্ণ ওই, 'কল্প কল্পদা' অবতরণ তৌবগী রাহৈ. শ্রীকৃষ্ণনা অজ্জুন্দা হাঙ্গিখিদে। মসি অসিনা থক্তনবিবনা, শ্রীকৃষ্ণনা যুগ খুদিংদা স্বযং ওইনা অবতীর্ণ ওইদে যুগ খুদিংদ অবতীর্ণ তৌব্রিবা ইবুংঙো অদুদি শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি (সাইওন্নি) যুগ খুদিংদা যুগাবতারবদি মহাক্কী অংশনি (সাইওন্নি) গীতাদা হাঙ্গিবদগী থংবা চগ্নিবদি, জগৎ ডাকুনবগীদমক হি চাবা সাণ্ডহন্দনা পৃথিবীগী অবাবা (অক্কম্বা) লোক-হন্নী অমসুং ধর্ম্ম লিংথংনবগীদমক মহাক্না অবতীর্ণ ওই অদুগা মাসিমসু খংবা ভম্মী, যুগাবতার ওইনা মহাক্না থবকশি, অসি তৌই। হাঙ্গিখ্রিবা থবক পুম্নমক অসি যুগাবতারনা তৌবা নবম্না স্বযং ভগবানগী থবক্তি নত্রে।

নবম অদুনা কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙ্গিবম্মা—"স্বয ভগবানদি তোদে তকম্বা লোকহন্নবা। ১।৪।৭।" অদু ওইববদি থবক অসিদি কনানা তৌগনি? কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙ্গিবম্মী, "ডাকপিহৈবা বিষ্ণুনা তৌই জগৎ চাকুবা ॥১।৪ ৭॥" জগৎ ডাকবগী অকম্বা (দায়িত্ব)দি ক্ষীরোদশায়ী বিষ্ণুনা (সনামহীনা) মহাক শ্রীকৃষ্ণগী অংশ ওইন (শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংনা ওইবা সাইওন নথন অমনি।) মহাক্না যুগাবতার ওইদুনা পৃথিবীগী অবাবা (অক্কম্ব) লোকহন্নী জগৎপু ডাকপিনা ধর্ম্মবু লখংপা থবকশি অসি সাক্ষাৎ যুগাবতারশিংগী থবক্নি, নবম অদুনা স্বযং ভগবান্না থবকশি তৌসিগীদমক অবতীর্ণ (সাহৎনবগী) তৌবগী কান্নবা (প্রযোজন) লেতে। নবম অসিনা হাঙ্গিবিবদি "যুগ ধর্ম্ম লৈহোকপা ভম্মা এগী অংশনা ॥১।৩।২০॥ অদুগুম্বা চৈতন্য কৃষ্ণ পূর্ণভগবাননী। যুগ ধর্ম্ম শন্দোকপা মখো নত্তে মাগী॥ ১৪।৩৩॥'

হৌজিক হংনিংডাহ অমা লেনে, পৃথিবগী অবাবা (অক্কম্বা) লোকহনবসি স্বযং ভগবানগী মখো নত্রবদি শ্রীকৃষ্ণ অবতারদা শ্রীকৃষ্ণ মশানরা কংসনচিংবা হিংচাবাশিংবু মাঙহনবা (হাৎপা) কবি নবম্নো? হিংচাবাশিংনা ওৎ-নৈবদা রাজরবী পৃথিবীগী প্রার্থনাদা ব্রহ্মান-

গৌর-কৃপা টীকা

চিংবা লাইশিংনা ক্ষারোদ সমুদ্রগী মপান্দা চঙ্লনা পৃথিবীগী অরাবা খঙহন্নবদা খঙহন্নরবা অদুগী মতুং ইন্না ইবুংঙো মহাক্না কলিগী অবতীর্ণ ৌবিবা? যুগাবতারবু থাবক্লগম্ব পৃথিবীগী অরাবা কোবহনবা যাইনা। পাওথুম অমা পীজরি—ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা হাঙ্গজহুনা ইবুংঙো মহাক অবতীর্ণ ভৌবকপা নত্তে। মখোইনা ক্ষারোদ সমুদ্র মপান্দা চত্রিঙৈগী মমাংদগী শ্রীকৃষ্ণনা ব্রহ্মাও অসিদা অবতীর্ণ ৌগে হাঙ্গনা রাশকথনবান। ব্রহ্মানা আকাশবাণীদগী খঙবা ওন্নমী—মাহুদি, পৃথিবীগী অরাবগী রা অসি ভগবান্না মমা ৈচদনা হান্না খঙলে। "পুরৈব পুংসাবধৃতো ধরাজ্বরঃ। শ্রীভা. ১০।১।২২॥" অমস্তু ব্রহ্মানা মাসিমম্ব খঙলম্মী, স্বয়ং ভগবান্না বসুদেবগী য়ুমদা অবতীর্ণ ওইগনি। "বসুদেব গৃহে স ক্ষাদ ভগবান পুরুষং পরং জনিষ্যতে॥ শ্রীভা, ১০।১।২৩॥ স্বয়ং ভগবান্না অবতীর্ণ ৌগে হাঙ্গনা বাথন খল্লকপা মতমদা পৃথিবীগী অবাবা দশা পূমমকপু উৎবিবিসা ভগবান্না খঙবা চম্মী মাহুদি পৃথিবীগী অরাবা কোকনবগীদমক যুগাবতারস্তু অবক্ষম। ওহৎবগী নতনা এইবে। "নৈতৎ চিত্রং কৃষ্ণগী অবতার মতমদা পৃথিবী বাবা লোকহনবহু িতনখৰ ম ত্তেন্দা ॥১৪৮॥" শ্রীভগবান্না আকাবাণী ৌতনা হস্তুম হাঙ্গনা ব্রহ্মাদা খঙেন্নী মাহুদা ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা অমস্তং অরাবা তারবা পৃথিবীনা থাজনিংঙাহগী নবমাদ অসিনি, "পূর্ণ ভগবান্না অবতার ৌবা মতমদা। অবতার পূমমক লাকনা িতন্না নাংডান্দা॥ নারায়ণ চতুর্ব্যুহ মৎস্য অবতারনচিংনা এবেবা। খিনিব যুগমন্বন্তরাবতারনচিব॥ কৃষ্ণগী হকচাংদা। তিন্নে পূমনক লাক্লনা। অস্তুমা অবতার ৌই কৃষ্ণ ভগবান্না॥১৪৯-১১। (টীকাদা যেংবিন।)"

স্বয় ভগবান অবতীর্ণ ওইবা মতং অদুদা জগৎপু ভক পগাদাবিবা বিষ্ণু যুগাবতারনচিংনস্য শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী মন্দা চঙতনা অবতীর্ণ ওইগনি হতগ থাহুম হাঙ্গন অবতীর্ণ ওইবগা বিষ্ণুনা কৃষ্ণগী মশা মন্দা লেনা নানা হিংচাবনচিনা নাডহন্দুনা পৃথিবগী অরাবা কোক্হল্লগনি অস্তুম হাঙ্গনস্তু মখাঙ্গনা (ব্রহ্মানচিংনা লাইশিংনা) খঙলম্মী। "বিষ্ণুগী মশাদা লনা নতনদা। কৃষ্ণনা হিংচাবা মাডহল্লা বিষ্ণুগী থোদদ॥ ১৪১২" শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং নন্দুংদা লেরগা শ্রীকৃষ্ণগী থুংশানচিংনা হকচংগী কাম্নাংকী পাম্বনা বিষ্ণুনা হিংচবা নাডহল্লী, মরম অসিদগী না পূমনক পুক্কংদা শ্রীকৃষ্ণনা হিংচাব মাডহল্লা (হাৎল) হাঙ্গনা নংঙি। শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী কায়াংনী পাম্বৈনা হিংচাবা নাডহল্লী হাঙ্গতনা শ্রীকৃষ্ণ মশানন্না হিংচাবা নাডহনবনি হাঙ্গলস্তু (নোংলবস্তু) হাঙ্গনা নাই, ইবুংঙো নহাক্কী মমিং অমদি কংসারি (কংসগী যেন্নবা) কৌই। পাওথুম ওইনা অমা উক্ষরি—

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীকৃষ্ণনা থাঙ্গৈশেংনা বিষ্ণু ওইদুনা জগৎপু ঙাক্লী . শ্রীকৃষ্ণনা থাইগী মরুনি ; মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণ মশামক্তা হিংচাবা মাগুহল্লী হাঙ্গবদা অরানবা লৈতে, অচুম্বা মানি । তৌইগুম্বসুং অতুম ওইবা হিংচাবা অদু মাগুহন্নবগীদমক, ইবুংঙো মহাক্লা অবতার তৌবদি নত্তে, মপা চানরুবা মতুংইন্নকপা থবক্লি । "মতুংইন্নকপা থবক্লি হিংচাবা মাগুহনবদি । ১।৪।১৩।" মপা চানরুবা হায়বগী মরমদি অসিনি, মহাক্লা অবতার তৌবগী অতোপ্পা অপাম্বা অমা লৈরমত্রবদি হিংচাবা মাগুহনবগীদমক্‌দি অবতার তৌরম্লোই, অবতার তৌবগী কান্নবম্ব (প্রয়োজনম্ব) লৈবম্লোই । মহাক্লা যুগাবতারনচিংবু শিজিন্নদুনা হিংচাবা মাগুহনবা ঙম্মী । হিংচাবা মাগুহন্নবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ ওই হাঙ্গবসি ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনম্ব হাঙ্গরমত্রে । দেবকীগী গর্ভদা শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজবগী মতমদা ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা হাঙ্গখিবা বাহৈশিং অদু শ্রীভা, ১০।২।২৯ শ্লোক, উংলি : শ্লোক অদুগী টিকাগী অহৌবদা শ্রীপাদ বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীনা ইরম্মী— ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা ক্ষীরোদ সমুদ্র মপান্দা চত্তুনা, পৃথবীদা হিংচাবনা ৩৫-নৈবগী বাবী অদু লীদুনা ক্ষীরোদশায়ীগী চরণ্ডা কোক্লনবা প্রার্থনা তৌজখি । প্রার্থনা অদুগী মতুংইন্না লাইশিংবু ভাকুনবগীদমক অবতীর্ণ ওইবনি অদুম্বা খন্দুরবদি লাইশিংগী নাপন হাপ্পা ওইনা থোকখিগনি । "অস্মদ্বিজ্ঞাপিতোঽস্মদাদি পালনার্থমবতীর্ণোঽসি ইত্যস্মাকমভিমান এব । (শ্রীকৃষ্ণাবতারগী মরু ওইবা মবমদি ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা মখাগী অসুম্বা লেপ্পৈ) ।

অদুম অদুম ওইনমব মথক্কী বাবী অসিদগী খঙবা ঙম্মিবদি, হিংচাবা মাগুহনবনচিংবা থবকসিং অসি শ্রীকৃষ্ণাবতারগী মরু ওইবা অপাম্বা থবক নত্তে ; মপা চানকদুনা পৌখিবা পেশতপ ওইবা থবক্লা । অদু ওইববদি অবতার ওইবগী মরু ওইবা থবক্তি করি ওইবা হাবনগে ?

মরু ওইবা থবক পুথোকপা হাববদি শ্রীমদভাগবত্তা কুন্তীদেবীনা হাঙ্গখিবা, ব্রহ্মা নশানা হাঙ্গখিবা, ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা হাঙ্গবা অমসুং বিষ্ণুপুরাণ্ডা অক্রুরনা হাঙ্গবা, বাহৈ ময়াম অসি খঙবা তাবে ।

কুরুক্ষেত্র লাল লোইখিবগী মতুংদা শ্রীকৃষ্ণনা দ্বারকাদা হল্লমদাইদা শ্রীকুন্তীদেবীনা শ্রীকৃষ্ণদা খুরুমজদুনা হাঙ্গজখি—"হে শ্রীকৃষ্ণ, নহাক্কী নশরুচিংবা থৌরম পুম্নমক খঙবদা যাম্না লুই, মুনিশিংগী, অশেংবা ৬ণ চেংবা জীবশিংগী মফমদা ভক্তি পীবিগে হাঙ্গবগীদমক অবতীর্ণ ওইরিবা নংবু, ঙুপীগী জাংতা পোক্লরী পঙলবী ঐনা মতৌ করম্না খঙবা ঙমগদগে ?

গৌর-কৃপা টীকা

তথা পরমহংসানাং মুনীনাম—মলাত্মনাম। ভক্তি যোগবিধানার্থং কথং পশ্যেম হি স্ত্রিয়ঃ। শ্রীভা, ১।৮।২০॥ কুন্তীদেবীনা মক্ষম অসিদা হা°ঙ্গৈরি—ভক্তি যোগ পীবিগে হাঙ্গৈবগীদ.ক শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ "ই, অতগা পৃথিবীগী অবাবা কোক্লনবগীদমক অবতীর্ণ ওই হাঙ্গৈবা বা অসিদি—কুন্তীদেবীনা হাঙ্খিদে। .ক্ষম অসিদা হ°বিবা যাই—কবস্থা মখলগী ভক্তি যোগ পীবিগে হাঙ্গৈবগীদমক মহাক্স অবতীর্ণ "ইবনো" সালোক্যনচি বা মুক্তি মরি ক বা যাবা ভক্তিযোগ অতুরা? পা°ওখুম—মাতু নম্ভে। মবমদি, সালোক্যনচিংবা মুক্তিগী নক্ষমদি পবব্যোমদনি পবব্যোমগী মপু নাবায়ং' মুক্তি পুম্নমক অতু পীবিবা ভম্মী। 'কৃষ্ণগী হকচাংনা পা স্নান অনি পানবনি। নাবায়ণগী হকচা°না পা°োন মরি পানবনি॥১৬।২৩॥

সালোক্য শামীপ্য সার্ষ্টি সারূপ্য মথমা জীবব্রু লানবি ভুক্তি নবি পীবিতুনা॥ ১।২৬॥' এগ খুদিংদা যুগাবতারনচিংবনা ধর্ম্ম লিংখংপদা দশ্ম অত চচ্চবগা সালোক্য নচিংবা ফংবা হৌ মবম অতুনা সালোক্য ফ হনবিরিবা ভক্তিযোগ অতু শব্দোক হাঙ্গৈবগীদমক স্বয় ভগবান শ্রীকৃষ্ণন অব•বণ তৌবগী বাগনা (প্রয়োজন) দলতে। অ°াঙ্খা বনাগুপ্তা মশন অম•না শব্দোক। ভমদবা ধর্ম্ম অত শব্দোক হাঙ্গৈবগীদমক স্বয় ভগবান্না অব•বণ তৌবনি (সাইওনবগী ব°ঙ্গবা দলবনি)। শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অতোপ্পা ভা°বংবী মশন অম•না প্রম পীবিবা চমংদ। সন্তব ত্তায়া বহবঃ পুষ্করনাভস্য সর্বতোভদ্রাঃ। বৃন্দাবনা. কা বা ন°ন্নাপ প্রেমদো ভবতি॥ নবম অতুনা শীকৃষ্ণ মশানা হাঙ্খি 'যগধর্ম্ম তৌদোবন ভম্মী ঐগী অশনা। বজাপ্রংদি পীবা চমদে অইতনা নি নত্ত্রং। ১।৩।২০॥ ভক্তিমহিবু থনোইদা দলবিব নখিদি। প্রম অত কনাদম পীদে, অতুম ওতবা যাম্না নাওগ্রম প্রেম অতু ফংননবগা মবমদা ভক্তিযোগ শব্দোক হাঙ্গৈবগীদমক স্বয়ং ভগবান শীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ ওইখি (সাইওনখি) অসিংপ্পা প্রম অসি ফংননবগা নবমদা সাবণ েনানি (হোংনবা) অতুবু—বাগমার্গ ভক্তি কৗই। মবম অসিনা বাগমার্গ ভক্তি শব্দোক হাঙ্গৈবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা অবতার্ণ "ই—বা আন কুন্তীদেবীনা হাঙ্গবা°। রাগমাণ ভজনদা ইশাগী নুংগাইবা নাশিংদতুনা ব মণ্ডী গু ভাইনবগীতা নৌংবদ প্রেম ক বা ভম্মী, প্রেমনা অতুনা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য নশব খঙব চন্থ (নাবস্য চাবা ভম্ম)। শ্রীকৃষ্ণগী চাদম্না°চাই নানা ফজব, নাবুয়া আসনা অচংপ শচংতবা লেবিবা পূর্ণকা পুক্রিংবু শুমহংপা ভম্মী, মাতুনা কোটি ব্রহ্মাণ্ড পবব্যোম, তাহা যে স্বরূপগণ, বলে হবে তা সভাব মন। পতিব্রতাশিরোমণি, যাঁরে কহে বেদবাণী, আকর্ষয়ে সেই লক্ষ্মীগণ॥২।২১।৮৮" এবং যে মাধুর্য্যাতিশায্যের "রূপ দেখি আপনার, কৃষ্ণের হয় চমৎকার, আস্বাদিতে সাধ উঠে মনে॥ ২।২১।৮৬॥"

গৌর-কৃপা টীকা

আম্বা ফাওবা চিংশিনবা ঙম্না অদুম ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য অদু চুপচরগা জগৎকী জীব অমম্বুং আত্মারাম মুনিশিং ফাওবা পেনজবা কংননবগী মরমদা ভক্তিযোগ শব্দোক্তবগী-দমক শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ ওই। ইবুঙো মহাক্না মতৌ অসুম তৌখিবগী মরমদি থৌজাল হৈবা পুকচেন চেনবদগীনি। মীবু লানবিবা হাঈবসি ঈশ্বর স্বভাবকী মহৌশানি। থৌজাল হৈবা অসিনা রাগ মার্গ ভক্তি শব্দোক্তে হাঈবগীদমক মহাক্না অবতার তৌরিবনি।

কুন্তী দেবীনা খুরুমজবদা থমোই শোক্না হাঈখিবা রা অমম্ব লৈরি। মাদুদি—"হে ভগবন, নংনা মী ওইদুনা মীওইবগী লীলা শাম্নরিবা অসিগী তত্ত্ব, কনাম্বু খঙবা ঙম্না য়াওদে অমম্বুং নংনা অতোপ-অতোপ্পা ভাবগী লীলা পুথোক্তনা শাম্নরিবা, অদুম ওইবা নংগী ভাব পুম্নমক অদুবু কনানা খঙবা ঙমগদগে ?" অসি হাঈরবগী মতুংদা হাঈরকপা রাহৈনা—"অকিবা কৌবা মশক অদুনম্বু নংবু উরগা কিদুনা চেল্লী অমম্বুং অপরাধ, পাপ পুম্নমকম্বু নংগী নাম নীংশিংলগা কোকই (চেনখি), মী পুম্নমক্না কিনরবা নংনা, গোপী যশোদাগী শঙ্গাম চক্ষু থুগাইরুবদা নশানা লাল্লে হাঈনা নীংথুনা অকিবা পোকখি (ফংখি)। মরাল অদুগী মরমদা সাস্তি দণ্ডি পীননবগীদমক যশোদানা নংবু থৌরীন। পুনগে হাঈনা হোৎনখি মতম অদুদা অপুনবা পুম্নমকপু কোকহনবা ঙম্বা নংনা কিখি। কিখিবনা তৌকম খঙদদুনা নংগী নমিৎতগী কাজলগা লোঈননা নপি তাদুনা মাইথোং লুকথনা লৈখি. নংনা মতম অদুদা ওইখিবা ফিবম অদু ঐনা নীংশিংলুরগা পুক্রিং অসি ইতক ওকই। "গোপ্যাদদে ত্বয়ি কৃতাগসি দাম তাবদ্যা তে দশাশ্রুকলিলাঞ্জনসম্ভ্রমাক্ষম। বক্ত্রং নিনীয় ভয়ভাবনয়া স্থিতস্য স চ মাং বিমোহয়তি ভীরপি যদ্বিভেতি॥ শ্রীভা, ১।৮।৩১॥" হায়কম অসিদা কুন্তী দেবীনা শ্রীকৃষ্ণবু ভক্তপ্রেমগী মথা পোল্লী হাঈনা ইঙ্গিত তৌই। অকিবা পুম্নমক্না মাব কিবা অদুগা অমুক মানা যশোদাবু কিবা মহাক্না মী পুম্নমকী মায়ানা পূনবদি কোকহনবা ঙম্নগা যশোদানা মাঙোন্দা থৌরীনা পুনবদি অকিবা ফংদুনা পুলহনখিবা। ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রগী স্বয়ং ভগবান ওইবগী মগুণ বিষ্ণু ওইদুনা তৌবা ঙম্বগী মগুণ পুক্রিং রাখন্না লাম্না ফংদবা মহাশক্তি পুম্নমক অসি, যশোদাগী তশেং-তশেংবা প্রেমগী সমুদ্রদা লুপখিদুনা মাঙোন্দা যশোদানা মচামক্তি হাঈনা নীংজদুনা, প্রেম রস পোকচবা অদুগী মহাও চুপচবা ঙম্নবগী খুদোং চাবা পীবিখি। ভক্তগী প্রেমরসকী মহাও চাগে (চুপকে) হাঈবগীদমক শ্রীকৃষ্ণন। মীগী-লীলা শাম্নবনি—মাসি কুন্তী দেবীগী রাহৈদগী হাঈজবনি। মহাক অসি রসিক শেখরনি হাঈদুনা মতৌ অসিগুম্বা প্রেমরসকী মহাও চুম্না (চাবা) পাম্মী।

গৌর-কৃপা টীকা

কংশনা থাব্লকপা অক্রুরনা শ্রীকৃষ্ণবু মথুরাদা পুগে হাঙইদুনা নঙ্গদা থুংলরবা মতমদা মহাক্কা শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা মপুক্লিংদা মওন মওন্ রা যাম্না খনখি ; মানা খল্লিবা রাশিং অদুগী মনুংদা অমদি অসিনি — জগৎ স্বামী শ্রীকৃষ্ণনা মাগী আত্মা থমোইনা পামজবা থবক তৌগে হাঙইবগীদমক মীগী লীলা (নরলীলা) ফোংদোক্লম্বিবনি । "সম্প্রতঞ্চ জগৎ স্বামী কার্য্যমাত্ম হৃদিস্থিতম্ । কর্ত্তুং মনুষ্যতাং প্রাপ্তঃ স্বেচ্ছাদেহ ধৃগব্যয়ম ॥ বি,পু, ৫॥১৭ ১২ ॥" অদু ওইরবদি মহাক্কী আত্মা থমোইনা পাম্লিবা থবক অদুদি করিনো ? পাওথুম মহাক্কি রসিকশেখর-নিনা রস আস্বাদন তৌবা (রস চুপ্পা) প মজফম পোকই অমসুং যাম্না থোজাল হৈবনিনা মহাক্কা লোইনন, লীলা শরুবিবা মী পুন্নবপু অতৌবা পোৎপদগী ইবুংঙো মাবু থাডবিরবা মায়ানা পুন্দুন। লৈরবা জীবশিং বু... চা নমীংভাই লেদনা মধুর্য্য (নিংজবা) অদু আস্বাদন তৌহনগে চুপহনগে) হাঙইনা রখন অসি শ্রীকৃষ্ণগী থমোইদা চথনা রাখিল্লি । মতুনা ইবুংঙোনা নীংজিবা রাখন অসি পুনবগীদমক মহাক্কা অবতীর্ণ ওইবনি অক্রুরবগী রাহৈদগী রফম অসি চোংথো কপানি । কংস দেবনা হাঙইবনা অক্রুরনা হাঙইবগা রহৈ আন অসি মনহানি ।

কংসগী শেশুমনংদা দেবকীগী মচা শ্রীকৃষ্ণবু ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা থুকমজবনা হাঙইখি (জগৎপু ভাকপিনবীদমক নংগোনা ইবুংঙো নংগী চাংগী থুরমজবি । মথোয়না থুরমজবদগী নংনা অবতীর্ণ ওইরিবনি, অসুরা ন ডুবনদ পৃথিবীগী পান থম্না চোংবনি) । মহাক্কী পোকপ অসি অনা নফম পোকে । হে ভগবান, নংনা অথোপা নংগা শান্নবা নওনা অবতার তৌবদি অতৈ শা কবিবনা মনম পামা ঙলে হাঙইনা ব্রখোয়না খন্দে । "ন তেস্য ভবস্য কারণ বিনা বিনোদ বত তর্কয়ামহে ॥ শ্রীভা. ১০ ২।৩৯ ॥" টীকাকার আচার্য্যশিংনা ইরি লীলগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা অবতীর্ণ ওইবনি । নংলা শান্ননবা হোংনবনা মুংচানবা পোকই ; মালা শমবা যাংজবা ফংলিবা মাশিং ফ ফঙ্গনদা নুংঙাইবা ফংই মাহৈ পুম্নমক ইমুংনু ঙাইমিনল না (মসিনা থকেংদি হিচানা মাঙচনবনা মগী অবতংগ তৌবগী মথক ওইনা মরম নাই, মতমদি, হিচবনা থাঙ নবা হাঙইবা থবক অসি হিংচাবশিংনদি নুংঙাইনা থবক নত্তে) । লীলা শান্নবা লাওরিবা ভক্ত-শিংগী প্রেমরসকা মহাও চুপ্পদা শ্রীকৃষ্ণনা যাম্না পেনজৈ (নুংঙাইজৈ) অমসুং মহাক্কী নুংশিবনা রস অমসুং মহাক্কী মাধুর্য্যরস । মহাও ফংহন্দুনা (চুপহন্দুনা) লোইননবশিংগী নুংঙাইনবা থোরমসু মহাক্কা শীল্লী ।

গৌর-কৃপা-টীকা

অদুগা প্রকট-লীলাগী মতমদা (কোংদোক্না মী খঙনা শান্নরিঙৈদা) মহাক্না লিংখৎলম্বা লীলাগী রাবী তারগা মাবু থাজদবা, মায়ানা পুম্নুনা লৈরবা জীব, মপানগী মী ফাওবা মহাক্কী চরণ সেবা তৌনিংনবগী লম্বিদা চংশিন্নকপা ওন্নবা, মতৌ অদুম হাঈনা লীলা শান্নে । "অনুগ্রহায় ভক্তানাং মানুষং দেহমাশ্রিত । ভজতে তাদৃশীঃ ক্রীড়া যা শ্রুত্বা তৎপরো ভবেৎ ॥ শ্রীভা, ১০।৩৩।৩৬ ॥" মসিম অসিনা ইবুংঙো মহাক্না লীলা শন্দোক্লীংবগী মতুংদা মাবু থাজদবা মপানগী জীবশিংগী মফমদসু মাগী লীলারস অমসুং মাধুর্য্য রস চুপহন্নীংবগী পুকচেন চেন্নী—হাঈবদি রাগ মার্গ ভক্তি চংহন্নীংঙি । মতৌ অসিদগী খঙবা ঙম্মী, শ্রীকৃষ্ণগী অবতরণগী মরু ওইবা মরমদি কুন্তী দেবী অমসুং ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা হাঈবগা অমহানি ।

ব্রহ্মমোহন্ লীলা (ব্রহ্মাবু শুমহৎপা লীলা) দা ব্রহ্মানা কৃষ্ণদা স্তব (খুরুম্বা) তৌবদা হাঈরম্মী—প্রভো নংদি মায়াগী রাংমদা লৈবনি, সচ্চিদানন্দবিগ্রহনি; অদুম ওইনমক মায়াগী মতুংদা অবতীর্ণ তৌদুনা মায়াগী শাজংকী মতৌগুম্না চংলি । "প্রপঞ্চং নিষ্প্রপঞ্চোহপি বিডম্বয়সি ভূতলে । প্রপন্নজনতা নন্দসন্দোহং প্রথিতুং প্রভো—শ্রীভা, ১০।১৪।৩৭ ॥" শ্লোক অসিদা য়াওরিবা 'প্রপন্ন' হাঈবদি চঙজব হাঈবসিনা শ্রীকৃষ্ণগী নিত্যসিদ্ধ অমসুং সাধনসিদ্ধ পরিকর ভক্তশিংবু অমসুং ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা রসিক-ভক্তশিংবু খঙনৈ । তিন্নরিবা (পরিকর) ভক্তশিংনা লীলাদা মাগী সেবা তৌদুনা মাবু মখোঈগী প্রেমরসকী মহাও চুপহন্নী; মানসু মখোঈগী সেবা লৌবিদুনা, মখোঈগী প্রেমরস অদু চূপ্পী; অদুদগী হেন্দোক্লুনা মখোঈবু মশাগী—অপেনবগী রস অমসুং মাধুর্য্যনচিংবা মশক খঙহন্দুনা রস চুপহন্দুনা মখোঈগী নুংঙাইবা হেনগৎহন্নী । অদুগা ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা রসিক ভক্তশিংসু শ্রীকৃষ্ণদা মখোঈগী নুংশিজবগী রস অদু চুপহন্নীংদুনা লাংতক্লে পোৎথাক্কম খঙদে; ভক্তশিংগী অসিগুম্বা নুংশিবনা হৈজিন্নবা—সেবা অসি লৌবিদুনা অমসুং মখোঈগী থমোয়দা মহাক্কী মাধুর্য্য খঙহন্দুনা, করি অমুক হাঈগদগে শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইবগী মপং ওইবা পিগহ (হকচাং) না ভক্তশিংগী থমোইদা লেঙশিনবিরগা, খুদোংচাবা অচিকপা অকবা মফম য়েংদুনা সাক্ষাৎ ওইনা উহনবিদুনা (দর্শন তৌহন্দুনা) শ্রীকৃষ্ণনা মখোঈগী নুংঙাইবা হেনগৎনবা তৌই । শ্লোকতা য়াওরিবা 'প্রপন্ন' শব্দ অসি তুংদা চঙজরকদবা ভক্তশিংবু, পোকপদগী মায়াদা পামজদুনা চঙজদুনা লৈরবা, শ্রীকৃষ্ণবুদি থাজজরবা চঙজরবা মখোয় অদুবুসু খঙনৈ । অদু নত্রবদি মথক্তা হাঈখ্রিবা "অনুগ্রহায় ভক্তানা মিত্যাদি" ভাগবতকা হাঈরিবগা চুনরোই । মীশিং অদুনা শ্রীকৃষ্ণবু নীংত্রবদি মায়াদা শোঈদনা চঙদুনা লৈরে, অদুগুম্বা

রসিক শেখর কৃষ্ণ পরম করুণ।
এই দুই হেতু হইতে ইচ্ছার উদগম ॥ ১৫

অর্থ

রসিক শেখর ওইবা গুণ, থৌজালগী গুণ লৈবনা।
গুণ অনিসিদগী নীংখিবনি মতোমদনা ॥১৫

গৌর-কৃপা টীকা

মীওং অদুম্ব ইবুংঙো মহাক্না অবতীর্ণ ওইবা মতমদা চাংদম্নীংঙাই লৈতনা নিতিগী নুংঙাইবগীরস অদু ফংননবা শিনবি। বাহে অসিনম্ব রাগ মার্গ ভক্তি শন্দোকপগী রা ফোংদোকই। মওং অসিদগী খঙব ঙম্লে, ভক্তগী প্রেম-রসকী মহাও চুপ্নীংদুনা অমস্তুং রাগ-মার্গ ভক্তি শন্দোক্নীংদুনা অদুগা হৌজিকী মতমগী ভক্ত, তুংদা ওইরক্কদবা মতমগী ভক্তগী নুংঙাইবা হেনগৎনবগীদমক মরু ওইনা শ্রীকৃষ্ণনা ব্রহ্মাণ্ডদা অবতীর্ণ ওইবনি—মতৌ অসুম্না ব্রহ্মানা হাঙ্গৈখি।

ইথ্রিবা ভাব ময়াম অসি থম্নরুবগা খঙবা ঙম্নিবদি,—মরু ওইনা প্রেমরসকী মহাও চুপ্নীংদুনা অমস্তুং বাগ মার্গ ভক্তি শন্দোক্নে হাঙ্গৈবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা জগৎতা অবতীর্ণ ওইবনি। গ্রন্থকার কবিরাজ গোস্বামীনসু অর্থ মসাম অসি হাঙ্গৈখি।

ভক্তগী নুংঙাইবা চাওখৎনবা তৌবিবনা মরু ওইকরিবা অসিগী মরমদি ইবুংঙো মহাক্না থৌজাল হৈবা পুক্চেন চেনবননি। মুন্না খাববদি থৌজাল হৈবনা মরু ওইফম থোকই মথংদা রসকী মহাও চুপ্নবা মপান (গৌণ) ওইফম থোকও।

শ্রীজীব গোস্বামীনা মাগী শ্রীকৃষ্ণসন্দর্ভ কৌবা লাইরিক্তা ইবি—পৃথিবীগী অরাবা (অক্রা) কোকহনবা থবক অসি শ্রীকৃষ্ণ অবতার তৌবদা মপা চান্নকহনা তৌবা থবক্তি, মরু ওইবা থবক্তি—মহাক্কী পরিকর (লোঙ্গনবা মন্নাচনবা) ভক্তশিংগী নুংঙাইবা অদু ঙকপা ফংনা চাওখৎহনবনি অমস্তুং মখোঙ্গী মফমদগী প্রেম-রস নীংবা থুংনা লৌননবগী মরমদা মখোঙ্গীবু ঙমখৈ লৈতনা প্রেম-রস চাওখৎনব হোৎনবনি।

১৫। মথক্কী পয়রদা হাঙ্গৈথ্রিবা অনীংবা অনি অদু শ্রীকৃষ্ণনা করি মরমগীদমক পাংথোক্নীংবনো? মাদুগী মরম হাঙ্গৈজবি। মরম অনি থোক্না শ্রীকৃষ্ণনা নীংঙৎবিবা অড কনাগুম্বা মী অমনা ইক্লিন্দুনা নীংহল্লুবা নত্তে, মহাক্কী মাহৌশাদগী চেৎরুবা গুণ অনিদগী মতোনদনা থোক্চরকপা রাখদী নীংবনি। শ্রীকৃষ্ণগী রসিক শেখর ওইবা গুণ অনগা

গৌর-কৃপা টীকা

য়াম্না থোজাল হৈবা গুণ অমগা তৎন-থানবা লৈতনা গুণ অনি অসি মহৌশানা মশাদা লৈ। মহাক্না রসিক-শেখর ওইবা মরম্না অথোইবা রস চুপ্নীংবা অসি মহৌশাগী লোঈনরবা অনীংবনি ; রসকী মমুংদা ভক্তগী প্রেম-রসকী মহাওনা খ্বাইদগী হেন্নী ; মরম অদুনা ভক্তগী প্রেম রসকী মহাও চুপকে হাঈনা অকাউবা লৈতনা শ্রীকৃষ্ণনা নীংদুনতা লৈ। অতোপ্পা কনাগুম্বা মীনা য়াবা উন্নগা মাগী অন্নাবা অদু কোকৃহন্নগা মুংভাইনবা তৌবিবা অসি থোজাল হৈবগী খুদম্নি। মায়ানা পুন্দুনা লৈরবা জীবশিংনা সংসারদা ভমথৈ লৈতনা অন্নাবা ফংদুনা লৈনরি ; মখোঈগী অদুম ওইবা সংসারগী অন্নাবা অদু কোকৃনবগীদমক অমসুং মখোঈবু ইবুংঙো নহাক্কী মমুং চনবা মী ওইহন্নগা চরণ-সেবা ফংহন্দুনা য়াম্না মুংভাইবা ফংজহন্নীংদুনা (পীনীংদুনা) য়াম্না থোজাল হৈবা শ্রীকৃষ্ণনা রাগানুগা ভক্তি শন্দোক্কে হাঈনা নীংভি। জগৎতা বিধিভক্তি ভাক্না চংলম্মী ; তৌইগুম্বসুং বিধি-ভক্তি-নদি ব্রজগী ভাব ফংবা ভমদে (১।৩।১৩) মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মমুংচনবা সেবাসু ফংবা ভম দ্রে ; অরেপ্পা লেংদবা পোংশকসু ফংবা ভমদ্রে (১।৩।১২)।

রাগানুগা ভক্তিদনা ব্রজভাব, মমুংচনবা সেবা অমসুং অরেপ্পা লেঙদবা পোংশক ফংবা ভম্মী ; তৌইগুম্বসুং রাগানুগা ভক্তিদি মতম অদুদা চংলমদবনিনা, শ্রীকৃষ্ণনা রাগানুগা ভক্তি অসি শন্দোক্কে হাঈনা নীংখি ; মহাক্না য়াম্না থোজাল হৈবা ওইবা মরম্না অসুম হাঈনা নীংখ্রিবনি। জীবগী মফমদা মহাক্না অকাউবা লৈতনা থোজানবিনীংবা মওং অসি মতম কুইনা শাংনা মমিং চত্তুনা লাক্লবনি। মরম অদুনা কবিরাজ গোস্বামীনা হাঈরম্মী—"জীববু লানবিবসি ঈশ্বরগী হৌনশানি।৩।২।৫।"

রসিক শেখর—রসিকশিংগী মমুংদা খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকপা ; রসিকেন্দ্র-চূড়ামণি। মাসি শ্রীকৃষ্ণনা রস চুপ্পদা য়াম্না হৈ-শিংবগী মিংথোম্নি। পরতত্ত্ব শ্রীকৃষ্ণবু শ্রুতিনা হাঈ—"রসো বৈ সঃ—মহাক রসকী মশক্নি।" রস শব্দগী অর্থ অনি লৈ—রস্যতে আস্বাদ্যতে ইতি রসঃ—মহাও লৌবা য়াবা অদু রস-নি, মাদুদি খোইহি। অদুগা রসয়তি আস্বাদয়তি ইতি—রসঃ—পোৎ চারিবা অদুবুসু রস কৌই ; মাদুদি খোইমু। অদুনা রস শব্দগী অর্থদি অহাউবা মহাউ লৈবা অদুবুনি অদুগা মহাউ লৌরিবা মী অদুবুনা রসিক কৌই। পম্মার অসিদা মহাউবু লৌরিবা রসিক—অসিদমক হাঈরে। শ্রীকৃষ্ণদি ব্রহ্মবস্তুনি হাঈদুনা হিরম পুম্নমক্তা মহাক্না খ্বাইদগী হেন্না চাওই অমসুং খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকই ; রসিকগী হিসাবতসু মহাক্না খ্বাইদগী হেন্নী অথোইবনি ; অদুনা মহাকপু রসিক-শেখর হায়রগা খঙনৈ। শ্রীকৃষ্ণগী মতৌগুম্না রসিক ওইবা কনাসু য়াওদে, অদুনা মহাক রসিক শেখরনি। শ্রুতিনা হাঈরি, রস শব্দগী অর্থদি রসিক-শেখর হাঈরনি।

ঐশ্বর্য্য জ্ঞানেতে সব জগত মিশ্রিত।
ঐশ্বর্য্যশিথিল-প্রেমে নাহি মোর প্রীত॥১৬

অর্থ :—

জগৎ অপুম্বা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান ওইনা চংখ্যে।
ঐশ্বর্য্য য়াওবা প্রেম অদু ঐনা পেনখিদরে॥১৬

গৌর-কৃপা টীকা

ময়ম অনি অসিদগী—রসিক শেখর ওইবা অমসুং যাম্না থৌজাল হৈবা ওইবা মবম অনি অসিদগী। নীংখিবনি রাখন্না রসিক শেখর ওইবা মবম্না প্রেম-রসকী মহাও চপকে হাঙ্গনা নীংবা অমসুং য়াম্না থৌজাল হৈবা ওইবা মবম্না রাগ-মার্গ ভক্তি শন্দোকে হাঙ্গনা নীংবা, অসুম হায়না অনীংবা অনি শুই।

অনীংবা অনি অসি শ্রীকৃষ্ণ অবতারগী মরু ওইবা মবম ওইবনি চপ মান্নবা অথোংবা ওাকনি হায়না নীংক্ষম থোক্কে। রস চুপ্পীংবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী হৌনশানি, অদুগা রাগ-মার্গ ভক্তি শন্দোক্পসু মাগী মগুণগী মতুং ইন্বা মবম্নি। শ্রীকৃষ্ণদি রসগী মশক্ রসিক-নিনা, রস চুপ্পা পাম্বা হৌনবনি। রস চুপ্পা অসি মাগী মথৌনি, মশাগীদমক্তনি। থৌজাল হৈবসু মশাগী গুণ অমনি, গুণ অসিগা মথা পোন্দ্রনা জীবশিংবু মাযাগী অরাবদগী লাম্থোক্পানবা হোৎনবি। থৌজাল হৈবা মবম্না জীববু লানবিরদা থুদাং চাননবা রাগ-মার্গ ভক্তি শন্দোকে হায়না নাংখি। রাগ-মার্গ ভক্তি শন্দোকপদি জীবগাদমক্কি—রস চুপ্পীংবা অদু মপুং ফাননবা হোৎনবগা লোয়ননা মরু ওইনা মাদু পা থোকই। ০ভুং॥ পয়ার ২৯'৩০ দা য়েংবিয়ু। মাদুদা খঙনরিবদি (৩০রসকা মহাও চুপ্প০। শ্রীরা ।। তার মরু ওইবা মসুংচনবা মরম্নি, অদুগা রস আস্বাদন ০ৌবগা লেয়ননা রাগ- । ভ ক্ত শন্দোকপনি, মবম অদুনা রাগমা । ভ ি শান্দোকপনা লাযনব। (পে ০প) মসুংচনবা মরম্নি হায়না নাংডি (মতুংগী পযাব ৩০ দা যেবিযু)। অডম ওইনমক ০।ম শ মু চনবা (অন্তরঙ্গ) হায়রুবগী মরমাদ থবক অনিমক মাগী থবক চাক্তনি—মহা। নও। অতোপা ভগবংকী মশক অমতনা রাগ মার্গ ভক্তি শন্দোবপা উমদে। থবক অনিমক অন্তরঙ্গ শক্তিগী থবক্কি হায়রুনা মবম অনিমক অন্তরঙ্গ কাবন্নি।

১৬। ভক্তগী প্রেমরস চুপকে হাঙ্গদুনা শ্রীকৃষ্ণনা জগৎতা অবতার্ণ ওইগে হাঙ্গনা রাশকখি। রাশকখিবা মতুগী মতুং ইন্না প্রেমরস চুপ্পা যারা ভংশিং জগংগী লৈবা?

আমারে ঈশ্বর মানে আপনাকে হীন।
তার প্রেমে বশ আমি না হয় অধীন ॥১৭

অর্থ :—

ঐবু ঈশ্বরনি নীংবা—মশানা পিকই নীংবা।
মাগী প্রেমনা ঐবু ভমদে মখাপোলহনবা ॥১৭

গৌর-কৃপা টীকা

লৈত্রবদি মহাপ্রভু মাগী করম্না প্রেমরস চুপ্প ফংগনি? মাহংশিং অসিগী পাওখুমদি—পযার ১৬—২৫ দা হায়রিবা, রস চুপ্পা য়াবা ভক্ত জগৎতা লৈতে, মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী নিত্য পরিকরগা লোয়ননা জগতা অবতীর্ণ ওইরব, (মতুংগী পযার ২৪ গী টিকাদা য়েংবিযু।) নিত্য পরিকর ওইবা ভক্তশিংনা প্রেমরস চুপ্পনা মহাক্কা মাগী নীংবা থুখি। হৌডিক হংলিবা য়াই—জগৎতা প্রেমরস চুপ্পা য়াবা ভক্ত লৈত্রবদি, জগৎতা অবতীর্ণ ওইরবা মহাক্কী অপ্রকট লীলাগী (অপ্রকট লীলাগী) নিত্য পরিকরগী প্রেমরস চুপ্পনা লৈরবাই, অদু ওইরবদি অবতীর্ণ ওইবগী করি কারণ লৈবগে? অপ্রকট ধামদদি পরিকর শিংমক অদুগী প্রেমরসনা মহাক্না নিংতগা চুপ্লিবরা? পাওখুম—অপ্রকট লীলাদসু নিত্য পরিকর শিংমক অদুগী প্রেমরস মহাক্না নিংতিগী চুপ্পনা লৈরিবনি, তৌই-সু মখোয়গী প্রেমরসগী মহাও থুডকপা ফংবা ওইরক অদু চুপ্পনবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা নীংখ্রা। প্রকট-লীলা (ফাংদোক্না শানবা লীলা) লৈত্রবদি মাহু ওইবা ভ মাই হাঙ্গইদুনা জগৎতা অবতীর্ণ ওইখ্রিবনি (মতুংগী পয়ার ২৫—২৮ গী টিকাদা য়েংবিযু)।

পয়ার ১৮ ৩০, অপ্রকট ধামদা শ্রীকৃষ্ণনা অবতরণগী মরমদা বাশকপা মতমদা হাঙ্গইবা। মখক্কী অতেমশুবা মশাগী পযার ১৪ গা টীকাদা পযার অসিগী ভাব য়েংবিযু।

১৭ ঐশ্বর্য জ্ঞান (অচৌউবা ভাব) না হেনজিল্লবা ভক্তগা প্রেম অদু শ্রীকৃষ্ণনা পেন্দে, করি মরম্না পেন্দবনো হায়রবদু মরম পীজরি। কনাগুম্বা ভক্তগী প্রেমরস চুপ্পনা পেনবা তাররবদি, শ্রীকৃষ্ণনা ভক্ত অদুগী মখা পোল্লে হাঙ্গনা খঙনগনি; প্রেমগী মখা পোল্লবদি প্রেমরস চুপ্পত্রি শ্রীকৃষ্ণবু খুদুম চন্দুনা মখাদা থম্বা ওইবা প্রেম অদুদি অচৌবা নত্তে; প্রেম অদুগা লোয়ননা ওইরিবা ভক্ত অদুগীসু শ্রীকৃষ্ণনা মখাপোল্লে, অদুনা রস পায়রা ভগবান মশানা হায়রি—"অহং ভক্তপরাধীনঃ—ঐ ভক্তগী মখাপোল্লী।"

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীভগবান্না ভক্তিগী মখা পোম্রী হাঙ্গবসি. শতিনস্থ হ ঈবি। "ভক্তিবৈবন নযতি, ভক্তিবৈবনং দর্শযতি, ভক্তিবশঃ পুরুষো ভক্তিরেব ভূয়সা। নাঠব শা॰।" ভক্তিবশ শব্দ অসিনা ভক্তিগী তুনকম লৈফম ইনা ভক্তগী মখা পে নবয খভনৈ। শগা জান ভক্তদি (হাযবদি অচাউরম কাবিনা নাপন যাম্না তৌম্নিবা ভক্তদি) শ্রীকৃষ্ণবু নশিং থাবা ভমত্রবা (অনন্তাকাটি) বন্ধাণ্ডগী অমস্তং ভগবৎকী মশক পুম্নমক্কাস্ত ঈশ্বরনি হাম্ননা মপুবিংনা নীংঙি অমস্তং মশাবুনা পৃথিবীগা চাংদম্নদা লৈডোংই নবিব অমদগী হেন্না পিনই হাবনা মপুক্লিংনা নীংঙি, অতুনা মহান্না শ্রীনন্দ হবুংভাগী মখা পে লী হাম্ননা নাংজৈ কোই॰ন্সস্থং শ্রীকৃষ্ণদি মাগী মখা পোন্দে। পেন অ না অতুক্কী মশিক চাউথংহনবা ভমগা (ব্রা লবদি) শ্রীকৃষ্ণবু মনা খুত্রন চনবা ভম্মী ঐশ্বর্যাজ্ঞ না (অচাওনন বাম্নিনা) ভশী প্রেম দ যান্না চাওথংহনবা ভমদে। নবম অতনা নশ জ্ঞান্না নানী পেন গত শশ খীহল্লা।

শ্রীনন্দনা মহাব্রা প্রেমগী নখা পে না ভমদে হাযহনা হনা প্রেম অদা নবুযো মহাবা লেননীবা হন্দে

বু শ্রীকৃষ্ণবু (ব্রা নাসি নি না হ যবনি)। ঈশ্বরনি নাংবা — ভন্ন বে টি ব্রহ্মাণ্ডগী অমস্ত ভগবৎকী শর্বনা পুনমক্ক অগনা ভগবদ্ধ মুর্চবণা ঈশ্বরনি হায়ন প্যাব না নীবা। অনদি, ঐবু ঈশ্বরনি হ যনা নপুক্লি না নীঙন গী কনবা ঈনদ কোনা হৌনবা ব্যবহার ।চং ইন ত খুম্নবা উংগা। মাদুদা হনাহংমুনগী নদ্ধি লৈনন হাযভুনা প্রেমদি হন্দোকথবে। শানা ভক মশনা। পিকই কোনা। নাথনাগা লৈডোই মরিক অমগা চংদম্নবদা লডোই নবিন অমনা পিকপা ভভুক ঈনগা চাংদম্নবদা জাবনা ভত্নদগীস্থ হেন্না পিকই, শন লন ভ নি শ্বর গান ভনা নবম কাবিবা ভ না) হপুক্লি দা অমত্না শল। নমদে হন না হনব অ খা পোন্দ।

নযার অসিগী অন্বয়:- ভতুম ওইবা নী ভন্না ঐব ঈশ্বরনি হায়না নপান নী বা (ঈশ্ব দা লৌফম থোকপা সন্মান লৌব) অম নশা ভন্না যান্না আন্নানি হ যনা খঙ্গবা, ঐনা অহুভবা পুকচেন চেনবা নী অতুনী পেনী মখা পোন্দে। শানি নযার ভনিশুং অকোনবা অসিগী ভন্নয ভন্ধুস্থ ওইবা থাই:— গন মা মন খ পান্দ, মহাক্কী মখাস্থ পোন্দে।

আমাকে ত যে-যে ভক্ত ভজে যেই ভাবে।
তা'রে সে-সে ভাবে ভজি এ মোর স্বভাবে।।১৮

অর্থ :—

ভক্ত 'হুনা নিংজবা মতুংইন্না ঐঙোন্দা।
ঐগী স্বভাবনা নীংঙি অহুম্ হাঙ্গৈনা মাঙোন্দা ।।১৮

গৌর-কৃপা টীকা

১৮। মথক্কী পয়ারদগী ভাব তাবা ওন্মী, শ্রীকৃষ্ণদি অশেংবা প্রেম লৈবা ভক্তগী মখা পোল্লী, তৌইগুম্বসুং ঐশ্বর্য্যজ্ঞান লৈবা ভক্তগী মখা পোন্দে। রাহৈ-রাঙাং অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা মিচং-মিখাই নাইবগী মওং ওইনা উদবরা ? পাওখুমদি পয়ার অসিনা পাওখুম ওইরি—অহুম ওইবা ভক্ত অহুনা মানা পামজবা মতুং ইন্না নীংজরিবা অহু; শ্রীকৃষ্ণসু মাগী মনিং থংজনবা কৃপা পীবি; ভক্ত অহুনা মশাবু শ্রীকৃষ্ণগী মখা পোনবনি হাঙ্গৈনা নীংহুনা কৃপা নিজরগা, শ্রীকৃষ্ণসু মাবু মখা পোনবা ভক্তনি হাঙ্গৈনা খনবিহুনা কৃপা তৌবী। অহুগা ভক্ত অহুনা শ্রীকৃষ্ণ খুহুম চন্ননা প্রেম নিজরবসু শ্রীকৃষ্ণসু মাঙোন্দা প্রেম অহু অহুম পীথোকুনা মাগী (ভক্ত অহুগী) মখাপোল্লী। শ্রীকৃষ্ণনা মতম লৈবা খিবিক্তা ভক্তনা হাঙ্গৈজবগী মতুংইন্না কৃপা তৌবী। ভক্ত অহুনা খনজবা মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণনা মাঙোন্দা কৃপা পীবী; মাসি মাগী মহৌশাগী স্বভাব ধর্ম্মনি। মরম অসিনা মতৌ অসিদা শ্রীকৃষ্ণবু মিচং-মিখাই নাই হাঙ্গৈনা হাঙ্গৈফম থোক্তে। মহাক্না কনাগুম্বদা নীংজবা মতুং ইন্না কৃপা তৌবিরগা কনাগুম্বদনা নীংজবা মতুংইন্না কৃপা তৌবিদ্রবদি মিচং-মিখাই নাই হাঙ্গৈবা য়াই।

অমদি, মথক্কী পয়ারদা হাঙ্গৈখ্রে, ঐশ্বর্য্য-জ্ঞান চেনবা ভক্তনা শ্রীকৃষ্ণবু ঈশ্বরনি অমসুং মশাবুনা আতোনবনি হাঙ্গৈনা নীংবা মরম্না শ্রীকৃষ্ণনা মাগী মখাপোন্দে, অহুগা মাগী প্রেম অহুবসু পোন্দে। শক্তি পূন্নমক্কী থোক্ফম ওইরিবা শ্রীকৃষ্ণনা করিগী ভক্ত অহুগী ঐশ্ব'য্যজ্ঞান অহু কোকহল্লগা মাবু খুহুম চনবা য়াবা প্রেম পীবিদ্রিবনো ? পাওখুমদি পয়ার অসিনা ওইরি—ভক্তনা হাঙ্গৈবা মতুং ইন্না কৃপা তৌবিবা হাঙ্গৈবসি শ্রীকৃষ্ণগী মহৌশাগী স্বভাব ধর্ম্মনি। ঈশিংগী মহৌশাগী ধর্ম্মদি মৈবু মুথৎপনি। ঈশিংনা মৈবু মুথৎপা ঙম্বা ধর্ম্ম চেনবা অসি করিগুম্বা মওং মচেৎ অমতা হোংবা য়াদ্রে। মতৌ অহুগুম্না ভক্তনা পামজরিবা রাখন অহুগী মতুং ইন্না কৃপা তৌবিবা হাঙ্গৈবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী মহৌসাগী ধর্ম্ম ওইবনা, করিগুম্বা মতমদা হোংবা য়াদ্রে। মরম অহুনা শ্রীকৃষ্ণনা ঐশ্বর্য্যজ্ঞান চেনবা ভক্ত ভাব

তথাহি শ্রীশ্রীগীতায়াম (৪।১১)—

যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাংস্তথৈব ভজাম্যহম্
মম বর্ত্মানুবর্ত্তন্তে মনুষ্যাঃ পার্থ সর্ব্বশঃ ॥ ৩

গৌর-কৃপা টীকা

অত্র তোং:দোকপিদে (বাঙ্গীহনবিদ)। ঐ'ডান্দ – শ্রীকৃষ্ণদা (মাসিস্থ শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গবনি)। নীংলিবত্র—ভজন তৌবিব অত্র। মা'ডান্দা – ভক্ত অন্দা। স্বভাব—লমচং পবৃত্তি, মশাগী ভাব নত্রগা ধর্ম্ম।

পযাব অসিগী প্রমাণ ‘ইনবা মগাদা গীতাগী শোক অমত উচবি।

শো। ৩। অন্বয়। হে পার্থ (হে অর্জ্জন)। যে (ন'শাঙ্গীন) যথা (মত অত্রল্লা) মা (ঐব্) পপদ্যন্তে (নী'চ) তাং (যে) তথৈব (ম অত্রম্না—মাখাঙ্গীনী ভাবকী মতুইনা) ভান (মাখাঙ্গীব) ভজামি (তানিব কৃপ কীবি)। মনুষ্যাঃ (মীশ্রিংনা) সর্ব্বশঃ (নানা পমমন্দ) মম (ঐগী) বর্ত্ম (ভজন নমি নীনংব নন্মি) অনুবর্ত্তন্তে (তু ইনন্দন চংলি)।

এ পাদ শ্রীকৃষ্ণন অন্দনদ হাঙ্গবকই—হে পার্থ। যাঁশি অত্রন (মাখাঙ্গীন) এ'ডান্দ নী'দিব মাতৌ অত্রগুনা দীন মাখাঙ্গীদ থৌডানবে। মাঁশিন গৌনম পুন্নমক ঐ'ডান্দান ননবনী লম্বি ঙি ন লৈ

যে—মাখোঙ্গীন। ভক্ত ওইনবস্থ, কর্ম্মী ওইনবস্থ, জ্ঞানী ওইবনস্থ, যোগী ওইনবস্থ সোরাবর্ন্নচংবা অতোগ্গা লাই নীনব ওইবনস্থ মাখাঙ্গীন। যথা মা প্রপদ্যন্তে মং অত্রগুন্না ঐ'ডান্দা (পুন্নমকী ঈশ্বব শ্রীকৃষ্ণদ) নী'ডা। তথৈব অসিদা ভাব মতা মওলগী—অতাপ অতোগ্গ ইশ্বব নীবা মী নৈ, মাখাঙ্গী মন্দা। কনাগুম্বনা সবান (মশাগী বান্নব পাম্বা) কনাগুম্বন নিন য়াম (মশাগী বান্নব পাম্বা) ওল নীডি। কনাগুম্বনা এগী (শ্রিকৃষ্ণগী) পে কপ বর্ণনা কব নিজাংন (অংশ্রা চানাই নী. কনাগুম্বনা অনিত্যানি (অম্প্রা) হাইন মদুন নীডি। কনাগুম্বন পান্দ নবাবনি মূর্ত্তি লৈ হাঙ্গীনা লোই, কনাগুম্বনা নিবাবাবনি মূর্ত্তি লৈতে হাইন লোই। কনাগুম্বনা ঐগী হকচাংব (ভগবংকী নশকপ্) সচ্চিদানন্দনি হাঙ্গীন লৌই কনাগুম্বনা মাংনি ভন্দনি হাঙ্গীনা মপুক্লিংনা লৌই। মাতৌ অসুম তৌবনা ভাব মখল মখল চংপা সাধকশি গী মদ এবু

গৌর-কৃপা-টীকা

(শ্রীকৃষ্ণবু) নীংঙি। তান্‌-ভক্ত-কর্ম্মি-জ্ঞানি-যোগি অসিনচিংবা পূন্নমক অত্তবু। অথৈব ভজাম্যহং—মখোযগী ভাব অতুগী মতুং ইন্না ঐনা খোজানবি। মীশিং অত্থনা ঐগী পোকপনচিংবা থবকপু নিত্যানি হাঙ্গনা নীংতুনা ঐশ্বর্য্য-জ্ঞানগা লোযনতুনা নীংলগা, ঐস্ম অদূম হাঙ্গনা ঈশ্বর ওইহুনা মখোঙ্গনা পোক্পনচিংবা থবক্কী অবেপ্পা অতু ওইননবগীদমক ঐগী ঐশ্বর্য্যগী মশক ওইবা হকচাংগী নিত্য লীলা মফম ঐশ্বর্য্যগী ধাম বৈকুণ্ঠদা মুক্তি মখল মবি ফংহন্নী অমস্মং মতম চানা মখোঙ্গগা লোঙ্গননা জগৎতা অবতীর্ণ ওই অমস্মং মতম চানা অন্তর্ধান ওই। মখোঙ্গনা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান থাদোক্তুনা, ঐবু মখোঙ্গী যাম্না নকুবা মীনি হাঙ্গনা মপুক্লিংনা নীংতুনা ঐগী মাধুর্য্যগী মশক ওইবা লীলাদা পুক্লিং চঙবা অমস্মং আপেনবগা লোঙ্গননা ঐগী সচ্চিদানন্দ ওইবা হকচাং (বিগ্রহ) গী সেবা তৌত্থনা ঐবু মুংওাইনবা হোৎনববদি ঐস্ম সচ্চিদানন্দ ওইবা হকচাং পীতুনা ঐগী মাধুর্য্যগী ব্রজধামদা মখোঙ্গবু ঐগা লোঙ্গনতুনা চাংদম্নীংঙাই নৈত্রবা মুংওাইবগী মপু ওইহনী। জ্ঞান মার্গগী সাধক পূন্নমক্তি ঐগী বিগ্রহবু মাযিক্‌নি (অচম্বনি) হাঙ্গনা মপুক্লিংনা নীংঙি অমস্মং ঐগী পোকপনচিংবা থবকপু অনিত্য (অবেপ্পা নত্তবা) নি হাঙ্গনা লৌই, অত্তুনা ঐস্ম মখোঙ্গবু মাযানা পুল্লি অমস্ম মখোঙ্গবু হন্না হন্না পোকহন্নী। অতুগা জ্ঞান-মার্গগী সাধকশি অতুনা ঐগী হকচাবু সচ্চিদানন্দনি হাঙ্গনা নীংতুনা সাযুজ্য মুক্তি নিজববস্ম ঐনা মাতুবু অতুম পীবিত্থনা মখোঙ্গবু পোকপা শিবা যাহেন্দে। কনাগুম্বনা কর্ম্মফল পামতুনা ঐবু নী জববস্ম মখোঙ্গী পামজনিবা অতুগী মতুং ইন্না ঐনা অতুম থোজানবি। মতৌ অস্মম তৌতুন সাধকশিং অতুনা মান মানা পামজবা মতুংইন্না ঐবু নীংজবা অতু ইকাঙ্গ-কাঙ্গদনা ঐনা কৃপা অতুম তৌবি। লম্বেল পূন্নমক্কী পম্বুংফমদি ঐওোন্দনি, অতুনা কনাগুম্বা সাধক অমনা মানা চংনীংবা লাম্বল অমদা চচ্চববস্মু ঐওান্দা থুংলগদৌবনি। মবম অতুনা কর্ম্মি—জ্ঞানি—যোগি অসিনচিংবা আতোপ-আতোপ্পগী সাধকশিংনা নীংজবা মতুং ইন্না ঐনা মহৈ পীবী।

শ্লোক অসিনা উহল্লিবদি—সাধক্না নীংজবা মতুং ইন্না শ্রীকৃষ্ণনা মহৈ অতুম পীবী, নীংজবিবা অতু নত্তবা, আতোপ্পা নিদবা মহৈদি পীবিদে, মবমদি, মানা মানা পামজবা পীবিবা হাঙ্গবসি মহাক্কী মহৌশাগী লমচৎনি ধর্ম্মনি। মবম অতুনা আতোপ-আতোপ্পা সাধক্না লাইনিংবনা মানা মানা নীংজবা মতুংইন্না মহৈ ফংবদা শ্রীকৃষ্ণদা মিচং মিখাই নাই হাঙ্গফম্ নৈতে। মথক্কী পয়ারগী অর্থ অসিদা লোঙ্গজবে।

মোর পুত্র মোর সখা মোর প্রাণপতি।
এই ভাবে করে যেই মোরে শুদ্ধভক্তি॥ ১৯
আপনাকে বড় মানে—আমারে সম হীন।
সর্ব্বভাবে আমি হয় তাহার অধীন॥ ২০

অর্থ :—

ঐগী ইচা ঐগী মরুপ ঐগী প্রাণপতি।
অস্নমা নীংলবা ঐঙোন্দা লৈববা ভক্তি॥ ১৯
ঐবু মান্নৈ তোঙ্গী,—মচাউবে নীংবা মশান।।
মবম খুদিংদা মহাক্কী মখা পোল্লী ঐনা॥ ২০

গৌর কৃপা টীকা

১৯—২০। ঐশ্বর্য্য জ্ঞান শিজিন্নবা (যাওবা) ভক্তগী মখা পোন্দ্রবদি শ্রীকৃষ্ণনা কবম্বা ভক্তগী মখা পোননগে মাতু হাঙ্গৈজবক্লি পযাব অনি অসিদা। শ্রীকৃষ্ণগী মবমদা মী-শিং অতুনা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান লৈতবা ঙম্নবা, শ্রীকৃষ্ণবু ঈশ্বরনি হাঙ্গৈনা থাজদ্রবা, (লৌদ্রবা) নশাদগীস্ন হেন্না চাউই হাঙ্গৈনা নীংদ্রবা, অমদি মু শিবা হেন্‌জিনখিবা মবন্না ভক্তশিং অতুনা শ্রীকৃষ্ণবু (মশাদগী হেন্না) তোঙ্গী নত্রগা মশা মশাগা মান্নৈ, হাঙ্গৈনা মপুক্লিংদা খনজবা ঙম্নবদি, প্রেমগী মখা পোনবা শ্রীকৃষ্ণনা মথোঙ্গীগী মখাপোন্‌বা যাই।

পযাব অনি অসিগী অন্বয়,—ঐগী ইচা, এগী মরুপ, ঐগী প্রাণপতি (থরাইগী মপু) ভাব মখল অহুম অসিগী মন্নুংদা ভাব অমদা চঙহুনা মী অতুনা ঐগী ইফম্‌দা (শ্রীকৃষ্ণদা) শুদ্ধ ভক্তি লৈরবা মী অতুনা ঐঙোন্দগী (শ্রীকৃষ্ণদগী) হেন্না চাউই হাঙ্গৈনা খল্লবা, ঐবু (কৃষ্ণবু) মাঙোন্দগী হেন্না পিক্‌ই হাঙ্গৈনা খনবদগী ঐবু মাঙোন্দগী হেন্না চাউই হাঙ্গৈনা থাজংতবা, অতুম ওইবা ভক্তিশি অতুগী মফমদা ঐনা মতম লৈবখিবিক্তা মখাপোন্দুনা লৈ (য়াহৈ অসি শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গৈবা য়ানি)।

ঐগী ইচা—শ্রীকৃষ্ণদি ঐগী ইচানি, ঐনা কৃষ্ণগী মমানি মপানি, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণ'দ ঐঙোন্দগী পীক্‌ই, ঐনা শ্রীকৃষ্ণদগী হেন্না চাউই, শ্রীকৃষ্ণদি ঐনা যোক্লিবনি, ঐনা মহাক্কী অভাক্‌পনি, শেন্নরিবনি। অস্নম হাঙ্গৈনা খনবা ভাব অসিবু বাংসলা ভাব কৌই। বজদা শ্রীনন্দ যশোদানা অস্নম হাঙ্গৈনা খল্লী। ঐগী মরুপ—শ্রীকৃষ্ণদি ঐগী মরুপনি, ঐস্নু শ্রীকৃষ্ণগী

গৌর কৃপা-টীকা

মকপ্নি , শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্যগী হেন্না চাউবসু নত্তে, হেন্না পিকপসু নত্তে, ঐখোয় অনিদি হিবম থুদিংদা মান্নে, মন্নংচন্না নুংশিনবনি। অসুম হাঙ্গনা খনবা ভাব অদুবু মরুপকী (সখ্য) ভাব কৌই। ব্রজদা শ্রীসুবলনচিংবগী ভাব অসুম হাঙ্গনা খল্লী। ঐগী প্রাণপতি—শ্রীকৃষ্ণদি ঐগী খবাইদগী হেন্না নুংশিজবা ইবুংঙোনি (কান্ত-নি), ঐনা মহাক্কী চান্নবীনি (কান্তানি) অসুম হাঙ্গনা খনবা ভাব অসিবু কান্ত-ভাব নত্রগা মধুর-ভাব কৌই। ব্রজদা শ্রীরাধিকা-নচিংবী নিংথিজবী গোপীশিংনা অসুম হাঙ্গনা শ্রীকৃষ্ণবু খল্লী। অসুম্না নীংলবা মথক্তা হাঙ্গিবিবা ভাব অহুম অসিগী মন্নংদা অমা লৌতুনা নীংলবা হাঙ্গবদি ইচাগী ভাব লৌতুনা, নত্রগা মরুপকী ভাব লৌতুনা, নত্রগা নুংশিজবা ইবুংঙোনি হাঙ্গনা খন্দুনা (কান্তভাব লৌতুনা)। লৈববা ; ভক্তি—শুদ্ধভক্তি লেয়ব . অশেংবা ভক্তি লৈববা , মশাগী নুংঙাইবা যাথ্রবা অমসুং ঐশ্বর্য্য জ্ঞান শুন্য ওইববা কেবলা রতি। ভজ ধাতুদগী—ভক্তি শব্দ থোকই , ভজ—ধাতুগী অর্থদি সেবা হাইবনি, মরম অদুনা ভক্তি শব্দনসু সেবা তৌববু খঙনৈ। সেবা তৌব অদুদ পেন্নবা হোৎনবা হাঙ্গবসি মদ্ধ ওইবা রানি, মরম অদুনা মশাগী নুংঙাইনা থাদোক্তুনা শ্রীকৃষ্ণতগী নুংঙাইনবত খন্দুনা সেবা তৌবা অদুবু শুদ্ধ ভক্তি কৌই। মহাক্কী মফমদা নুংশিজবা ওমদ্রবা, মাদু ঐগী—মীনি হাঙ্গনা নীং দ্রবা অদু ওইববদি মহাক্কী নুংঙাইনা বগীদমক ঐখোঙ্গন ইশাগী নুংঙাইবা থাদোকপা ঙম্‌দ, শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিবা ওমদ্রবদি মাঙোন্দা শুদ্ধ ভক্তি লেবা যাদ্র। শ্রীকৃষ্ণদা নুংশিবা ঐগানি হাঙ্গন খনবা—শ্রীকৃষ্ণদি ঐগীনি—অসুম হাঙ্গনা খনবা ভাব যাবেরপা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান লেখিদবা, মাদুদা শ্রীকৃষ্ণদি ঐগা মান্নে নত্রা। ঐনা গোর্‌ক্ক থাক্কিবনি হাঙ্গনা নীংলকই। অসুম হাঙ্গনা শুদ্ধ ভক্তি পাংঙা পাইহে অসি পোক্রবপ মতমদা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান লেতবে অমসুং ইশাগী নুংঙাইবা বাত্নব (খাদোক্ত) হাঙ্গনা লৌনবগনি (খঙনবগনি)। ইশাগী নুংঙাইনবগী রাখন মপুং ফানা থাদোক্তুনা, শ্রীকৃষ্ণবু ঐগী হচানি, মরুপ্নি নত্রগা প্রাণপতিনি খবাইগী ইবুংঙোনি, অসুম হাঙ্গনা পুক্নি না নীং তুনা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক সেবা তৌবা অদুবু শুদ্ধভক্তি, অশংবা প্রেম কৌই। ব্রজদা নন্দ-যশোদা, সুবল, মধুমঙ্গলনচিংবা অমসুং শ্রীরাধিকানচিংবা ব্রজ গোপীশিংগী মন্নংদা অসিগুম্বা অশেংবা প্রেম লৈবা উবা ফংই। দ্বারকাদা দেবকী—বসুদেবসু শ্রীকৃষ্ণবু মচানি হাঙ্গনা নীংই। তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা মখোয়না ঈশ্বরনি হাঙ্গন নীংই, মখোঙ্গনা খল্লী, মখোঙ্গবু ভগবান কৃষ্ণনা চানবিদ্না মচা ওইনা পোকবিবনি, অসুম হাঙ্গনা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান লৈব মরম্না মখোঙ্গন সেবা তৌনীংবগী নাখন পোক্ত,

গৌর কৃপা টীকা

মরম অদুনা মখোঙ্গৈনা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা নিংলিবা ৱাখন অদু শুদ্ধভক্তি হাঙ্গৈবা যাদে (কেবলাবত্তি নত্তে)। দ্বারকাদদি মরূপ অমসুং কান্তাপ্রেমসু ঐশ্বর্য্যজ্ঞান ওই হাঙ্গদুনা অশেংবা প্রেম হাঙ্গৈনদে। পযাব অসিদা শুদ্ধ হাঙ্গৈবা ৱাহৈ অসিনা ব্রজগী ৱাহৈ ওইখবে দ্বারকা অমসুং মথুরা ভাবকী ৱাহৈ নত্তবে। মচাউবে নীংবা মশানা—ভক্ত অদুনা মশানা শ্রীকৃষ্ণদগী হেন্না চাওবে হাঙ্গৈনা খল্লবা (মাতুদি বাৎসল্য ভাবতা শ্রীনন্দ—যশোদা)। ঐবু মাপ্লৈ তৌগ্রী—ভক্ত অদুনা শ্রীকৃষ্ণবু মাওান্দগী হেন্না পিকই হাঙ্গৈনা খনবা (মাতুদি বাৎসল্য প্রেমদা নন্দ—যশোদা), পিকই হাঙ্গৈনা খল্লগ' মাপ্লৈ হাঙ্গৈনা খ্লগা (মাতুদি সখ্য প্রেম মকপকী প্রেম সুবলনচিংবা), তৌইগুম্বসু কৈদৌওৈদসু শ্রীকৃষ্ণনা মশাদগী হেন্না চাওই হাঙ্গৈবসিদি খক খন্দে। শ্রীকৃষ্ণগী মযমদা উচ্ছিৎ-থওইদদুনা মাবু পিব্ই মাপ্লৈ হাঙ্গৈনা খল্ল্বা নত্তে, উচ্ছিৎত্রবদি মাবু পেল্লনবা সেবা তৌনীংফম থোক্তে। হুংশিবনা হৈনজিনখিবা মবম্না শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা ইকাহ খুম্নগাদৌবা বাখন অদু মাওখি, অদুনা শ্রীকৃষ্ণবু পিকই—ঐনা যোক্রীবনি নত্রগা মাপ্লৈ—মকপ্লি হাঙ্গৈনা পুন্নিংনা খল্লিবনি। মচা অদুনা লেবাক অদুগী মনুংদ মহৈ মশিং হৈবদা খ্বাইদগী ইহৈল-হেৎব অদুগা ইনাক খুনবদা গুন লেবদা খ্বাইদগী হেন্দুন মী পৃম্মনক্না পূজা তৌনববসু (ইকাহ খুম্নববসু) মমানদি মচা অদুব মানা যোক্লির্বনি হাঙ্গৈনা নীংভি বোব পীবিদুনা খুযাগী উযুল মচাগী মকোক্তা হাপ্লিবদা হাঙ্গাইবা পোক্তে তৌইগুম্বসু হাঙ্গাইবা পোক্লবদি মমা-মচা উনবা যংদ। মচানা মমা-মপাগী হুশিব অদুগী মথা পোলি, মকপ্না মকপকী হুশিবা অদুগা মথা পোগ্রী, ইবংভানা (পতিনা) ইবেম্মগী (কাপাগী) হুশিবা অদুগী মথা পোলী, অদং-গুমদুনা শ্রীকৃষ্ণসু ঐশ্বর্য্যজ্ঞান যাদেবা শুদ্ধপ্রেম লেবা ভক্তগী মথা পোন্দনা প্রেম অদুগা ইঙ্গিত যেংদুনতা লে। অসিগুম্ব (অশেব মনাইগী শুদ্ধভক্তগী) প্রেম নসকী মহাং গৌর চুপ্না পামজবনা বঙ্গিব্‌শখব শ্রীকৃষ্ণনা বোইথি-থদুনা লে।

বিষ্ণু পুরাণদগী খঙবা উম্মী, গোবদ্ধন থাঙ্গৎপ অমসু হিচান না ইংবনবা শ্রীকৃষ্ণগী চাংদম্নীংঙাই নৈতবা পাসল উবগা গাপশিনা অহানবদা খবা ওক্লম্মী, শ্রীকৃষ্ণ অসিবু মীবা, লাই—বা, যক্ষ—বা, গন্ধর্ব্ব—বা হাঙ্গৈবা মাখাঙ্গৈনা অবেপ্পা খঙবা ঊম্মদে, তৌইগুম্বসুং মখোযগা শ্রীকৃষ্ণগ মবি নৈনবগী জ্ঞান অত নীংশিংলক্তনা মমৈথংদা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙ্গৈবক্ই—"দেবো বা দানবো বা ত্বং যক্ষো গন্ধর্ব এব বা। কিং বাস্মাক বিচারেণ বান্ধবোহসি নমোহস্তুতে ॥—নংনা লাই ওইগে ওইবু, হিংচাবা ওইগে ওইবু, মন ওইগে

তথাহি (ভা, ১০।৮২।৪৪)—

ময়ি ভক্তির্হি ভূতানামমৃতত্বায় কল্পতে।
দিষ্ট্যা যদাসীন্মৎস্নেহো ভবতীনাং মদাপন : ॥৩

গৌর-কৃপা-টীকা।

ওইগু (যক্ষ—কুবেব—শেনগী মপু) গন্ধর্ব্ব ওইগ ওইগু—ঐখোয়ন। মাতৃগী মরমদা বিচার তৌকবগী কবি কান্নগনি? নংদি ঐখোযনা মাতৃগী মবমদা বিচাব তৌকবগী কবি কান্নগনি? নদি ঐখোযগী মরূপ্নি, নংওান্দা খুরুমজবি। ৫।১৩।৮॥" রা অসি তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা খুম্নকই—"মৎসম্বন্ধেন ভো গোপা যদি লজ্জা ন জায়তে। শ্লাঘ্যো বাহং ততঃ কিং বো বিচারেণ প্রয়োজনম॥ যদি বোহস্তি ময়ি প্রীতিঃ শ্লাঘ্যোহহং ভবতাং যদি। তদাত্মবন্ধুসদৃশী বুদ্ধির্বঃ ক্রিয়তাং ময়ি॥ নাহং দেবো ন গন্ধর্ব্বো ন যক্ষো ন চ দানবঃ। অহং বো বান্ধবো জাত নাস্তি চিন্ত্যমতোহন্যথা।—হে গোপশা। ঐগা নখোঙ্গীগা সম্বন্ধ (মরী) লৈনবিবা অসিগী মবমদ নখাঙ্গীনা ইকাইবা থাদোক্লে নীংলগা অমসু ঐবু নখোঙ্গীনা থাগৎপিব খগা (নাখাধব ওাকপী হাঙ্গীনা নীতুন থাগ পা) কবি কান্নগনি ঐনা কবি ওইজবা ফগনি—অতুগুম্বা বিচাব অত্ত নখোঙ্গীনা খ বগী করিসু কান্নবা লৈতে। ঐবু নাখাঙ্গীনা নুংশিবদি অম ঐব থাগনী লব দ নাখাঙ্গীনা ঐবু নাখাঙ্গীগী মর্ধাপ্ন হাঙ্গীনা নীঙু। ঐ লাইসু নাত্ত গন্ধববসু নাও যক্ষসু নাও হিংচাবসু নাত্ত, ঐদি নখোঙ্গীগী মরূপ্নি অতৈ দবি অমতা নাও ৫।১৩।১—১১।' লাইনচি বগী রাখল তৌকরবদি নুংশিব অত্ত মাঙখিগনি, মবম অসিদগী শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গীবকই—ঐদি নখোঙ্গীগী মরূপ্নি—নখোঙ্গীগুম্ন গোপ অম ন। নখোঙ্গদগী এনা হেন্না চাউবা নাত্ত, নাখাঙ্গীগ মান্নবনি। শ্রীকৃষ্ণবু মশা যশাদগী হেটা হাঙ্গীনা নীঙুববদি ভক্তগী নুংশিব অত্ত মায তাই, অতুনা নুংশিবা মমু শি অত্ত শীকৃষ্ণনা পেন্দে, নু ওাইবা ৫মদ হাঙ্গীব ভাব অসি মকম অসিদা উচ্চবে। অদুগা মাবু মকপ—মশামক্কী মী—মশাগা নত্রগা মশাদগা হেন্না পিকই হাঙ্গীনা খনবা ওন্নর্বদি মকপ ওইগী ভাব অত্ত চাকপি অমসুং মকপ ওইবগী ভাব অতুবু ওাকপিববদি নুংশিবা মাহ তাদে, মাসিমসু মফম অসিদা উচ্চবি।

শ্রীকৃষ্ণনা শুদ্ধভক্তগী প্রেমগী মখা পোল্লী হাঙ্গীবগী প্রেমাণ ওইনা নখাদা শ্রীমদ ভাগবতকী শোব অমা মখাদা উচ্চবি।

গৌর কৃপা-টীকা

শ্লো ।৫। অন্বয় । ময়ি (ঐাঙান্দ—শ্রীবৃফন্দা) ভক্তিঃ (ভক্তি লৈবনা) হি (লেপ্ন) ভৃতানা (থল্লাই পানবশিংগী) অমৃতত্বায় (অবাবা কোক্‌পা নত্রগা কৃষ্ণগা নিত্তিগী লোঙ্গনবা যংনবণী মবমদা) কল্পতে (মতিক চাই)। ভবতীনা (নাথোইগী) মদাপন (ঐব ফংননবা) যস্নেহ (ঐবু ন্নুংশিবা) যৎ (মাৎ) আসীৎ (পোক্রে, ওইবে) [তৎ] (মাতু) দিষ্টা। (ঐগী লাইবক ফবনা) ।৩

অনুবাদ। শ্রীকৃষ্ণনা গোপীশিংদা হাঙ্গিবকই—"ঐগী ইফমদ' (ভক্তি মাপনগী মনুংদা। ভক্তি অমনা) ভক্তি—লৈবনা থবাই পানবাশিংগী সংসাবগী অবাবা কোকপা (ঐগা লোঙ্গনবা ফংবা) ডম্মী। ঐগী লাইবক ফনা মবন্না ঐগী ইফমদা নাখাঙ্গিনা ঐব যংননবা নুংশিবা পোক্রে ॥"৩

কুরুক্ষেত্র মিলনগী মতমদা শীকৃষ্ণনা অচিবপদা ব্রজগী নিংথিজবীশিংগা উনবদা শ্রীকৃষ্ণনা মখোঙ্গিদা হাঙ্গিখি—"সখীশা' ঐনা যেক্লবা মাঙহনবগী থবক্ত পংদুনা লৈনা মবম্না মতম অম্লব কুইব নাখাঙ্গিং। টনবা ঙমখিদাবে, নাখাঙ্গিনা ঐনু হৌনবা খঙদ তৌবিমল খঙদ হাঙ্গিনা নপুন্নিংদা নীলবিগনি; অসিগী মতুংদ নুংশিনা মীগী নগ পেনবা শ্রীবৃষ্ণনা যাম্না বানা মপাগী ঐশ্বর্যানচিংবা শন্দোক্লুনা হাঙ্গিবকই (বৃহদ বৈষ্ণব-তোষণী) —"হেংঙ সখীশা। ভগবান্ন জীবশিংগী থাইনবা (লাপথোকপ) অমসু তিন্নবা (নক্‌শিনবা) থোকহ ী ছিনম পাসামদা মীংইবনা মনীংতম্না মোদ, মশম অসিনা নাখাঙ্গিবু উনিংবগী বাথল লৈনবম্ন ঐগী লাইনক্লা উনা হাঙ্গিন থাকথিদ্রে।' বা অসি হাঙ্গিদোল্লুবগা শ্রীকৃষ্ণনা চিংনবাক্র গোপীশিংনা ইশোই শোঙ্গিদনা হাঙ্গিবগনি—হে কৃষ্ণ। ঈশ্বরদা থৈজিন্দুনা ঐথাযবু লপাথোক্লিব কবিগীনে। ঈশ্বর হাঙ্গিবতু ন ন লাপাথোকপ। —নক্‌শিনবগী মপুম্ন নংনি, নং ঐ গ্রবু দনাগ হাঙ্গিন নীংলব দ উনগদব ন অস্তম হাঙ্গিনা চিংনবক্তুনা শ্রীকৃষ্ণন গোপীশিংদ হাঙ্গিবকই—ঐগা নখাঙ্গিগ মংন থন লাপ-থোক্লকবা অসি (কাঙ্গিনকুবসি) মঙ্গল (মঙ্গাল) গীদমক ওইবে, মবমদি কাইনকনা অসিনা ঐগী মবমদা নাথাঙ্গিগী থমোই শোদাক্‌পা ঙম্বা নুংশিবা মংন অম ওনথাবে, অতুম ওইবা মনুংশি বলাংকাবনা ঐবু চিংতুনা অবাপ্পা মযমদা লৈবগস্থ নাখাঙ্গিগী ননাক্ত পুং স্মগী পাঙ্গল লৈবে। কনা কনাগুম্বনা ভক্তি মথল মাপনগী মনুংদা ভক্তি অমত চচ্চবগা ভক্তি অতুমক্তনা সংসাবগী মাযানা পুনবদগী কোক্তুনা মখাঙ্গি অদ ঐগী নাঙ্গিনবা ইবা ওম্মী, সাধন ভক্তি পূম্নমক্লা মমৈথংদা প্রেম্না মুল্লক্তুনা ঐবু নুংশিবক্লবা মতম অতুদা ঐবু

গোৰ কৃপা টীকা

ফ বনি,—নখোঙৈনা ঐঙোন্দা মুংশিবক্রবা মন্থুংশি অহুন যাম্ন থনা ঐব্ বলাংকাবনা চিংশিন্দুনা নখোঙৈগী ননাক্তা পুবক্লগনি, মসিদা কবি অমক ঙক্লীংঙাই লৈরিবগে ?”

মযি ভক্তি—শ্রীকৃষ্ণদ ভক্তি লৈবনা, ভক্তিনা একবচন ওইনা শিজিন্নবগা খণ্ডনবিবদি ভক্তি মখল মাপনগী মত্যংদা ভক্তি অমতং খমাথংনা চচ্চবগা ভগবংকী লোঙৈনবা ফংবা ঙম্মী। শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা গোপীশিংনা মুংশিবা অহুন শ্রীকৃষ্ণনা মপুক্লিংনা খল্লী, মহাক্না লাইবক যাম্না ফবা মবন্না গোপীশিংন মাব মুংশিবিবিবনি। শ্রীকৃষ্ণনা মুংশিবা রসপু পাম্বা মবন্না অহুম হাঙৈনা মপুক্লিংন খল্লীবনি। ঐনা কবিগুম্বা পোং অমবু যাম্না পামজ-হুনা কোইথি থিব মতমদা পোং অত ফংবা গোক্লবদি ঐহাক যাম্না মুংঙাইগনি অমস্তং এংগোন্দা পোং পীবিবক্লিবা মী অহুবু ঐনা ঐঙোন্দা যাম্না থৌজানবিশ্রে হাঙৈনা নীংগনি। রসিক শেখর শ্রীকৃষ্ণনা মুংশিবা রসপু যাম্না পামজবা মবন্না মহাক্না নীংঙি—প্রেমিক ভক্তনা মহাকপু থোইদাক্না কৃপা পৌবি মগম অসিদগী অহুগুম্বা ভক্তনা, শ্রীকৃষ্ণন যাম্না পামজবা পোং মুংশিব রস অহুব, শ্রীরাধা শ্রীনবগীদমক মথানী থম্মোইদা হাপ্পুনা খম্মী। মাগী মংাঙ শ্রীকৃষ্ণন লোঙ্লগ রস অহু চুপ্পগ (৫ংগ) পেনজবা ঙম্মী। মবম অহুন ভক্তনা ভগবানগা চরণ মনাব ফংনবগীদমক কন্ন হোৎনৈ ভগবানস্থ ভক্তগী মনাক ফংনবগী কন্না হোৎনৈ। শ্রীমদ ভগবতামৃতদ টং ই মাথবাগী বামান শীঙন শর্ম্মাগী মথমদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙিখি—'প্রেমং হরিজন পং বেস্তু কচিদ্রাজতি সর্ব্বত। প্রেমং সপরিবারস্য মম হৃদয়ভাবতঃ সংবৃপারূষ্টচিত্তোহং নিত্যং হৃদবশ্য—বীক্ষকঃ॥—হে ভন শর্ম্মন! নং মবম পৃথমক্ত মঙ্গল (মঙ্গাল) ওইবিবা? নগী নফম ঐগী ইমুং-মন্থুং অমস্তং এহাব মঙ্গল ওইবি। ঐগীদমক হাঙৈহুনা নংগোন্দা গৌবা বুপা অহুনা ঐগী থামায অসি চিংখিহুন এনা নিতিনী নং লাক্কদবা হাঙৈনা নীংহুন লঙ্গীরোমদা মিং অসপনত লৈখাব (কনগ্ব মতমদা জন শর্ম্ম। লাক্কদাগ অসম খল্লুন)। ২।৭।৩৮॥ ৮৭॥ সত্যাহং স্মি ভবতাদিষ্ট্যা দষ্টশ্চিদাদসি। নংন এবু নীংশিংবিবিবা অত ঐগী লাইবক থবননি মতম কুইনবগী মতুংদ ঐবু উহনবিববিব অসিস্ত ঐগী লাইবক ফবননি। ২।৭।৩। ভক্তনা ভগবান্দা মুংশিব মতৌ অংগুম্ম, ভগবানস্থ ভক্তদা মুংশিবি। ভক্তগী মফমদা, ভগবান্না মুংশিবা অহুবু ঐখাঙৈন ভক্তবাৎসল্য হাইনৈ। অদুগা ভগবান্দা ভক্তনা মুংশিবা অদুবু, ভগবান্ন মাগী মফমদা ভক্তনা থৌজানবিদ হাঙৈনা নীংবী। ভক্তগী মুংশিব রস থক্লীংবনা ভগবান্না যাম্না গৌবাংঙি হাঙৈবসি ব্রাযম অসিদা খঙবা ঙম্মী। মাসি ভক্তনগী গুণগী অলোইবনি। ১।৪।১৪ পয়ারগী টীকাদা যেংবিয়ু।

মাতা মোরে পুত্র ভাবে করেন বন্ধন।
অতিহীন জ্ঞানে করে লালন পালন ॥২১

অর্থ

ইমানা মচাগী ভাবতা পুন্নী ঐহাকপু।
য়াম্না ইচম চম্না য়োকপী থ'বপী ঐহাকপু ॥২১

গৌর-কৃপা টীকা

২১। শ্রীকৃষ্ণনা মথক্কী ভাবকী ভক্তশিংগী মন্ন'দা ববপ্পা ওন্নগী মখা বম্না য়াম্না পোন-বগে হায়রছু, মখোয়গী আচরণ (লমচৎ) হায়জরি পযাব অক্ষমদা।

ইমানা—বাৎসল্য প্রেমগী চংতকম শ্রীযশোদানা। পুন্নী—দাম বন্ধন লীলাগী ইঙ্গিৎ তৌরি। নোংমা অমুক্ত শ্রীকৃষ্ণবু ফমু'দা শুম্না যশোদা-মাতানা মশামকা মাখন চিং-দবগী মপান থোকখ'র। ওহাবা মাখন চিলি, শ্রীকৃষ্ণগী তঙাংনী মনচৎ, মথ মনাও নাইনা ইশ ওইন চংলে, মতম অমুদা শ্রীকৃষ্ণনা ওফম শতুদা লাক্কনা থোম থক্কে হাঙ্গনার, মাখন চিংবা অদু তোকননা মাখনগী চ অদু পাঙ্গতুনা খায়ে। মমানা মাবু মওমপাল্লা পনখৎতুনা থোম পীথক্কে। তংঙ্গা এসিদা কম্নাদি লল পযাংতনা (অনকপদা) লৈবা লৈরু দা শ গোম ডৌরিবা অদু পাথবার, মাচু উরগা মমানা শ্রীকৃষ্ণদু থনমগা শ গোম পাথবা ভাকৃপা চংখবে। শ্রীকৃষ্ণবু মবক পনহন্দিতুদা হুন্দোকপা অদুদা ওহান্না শাউতুনা মাখনগী চৈ অদু থুদেবগা ইমু'দা চংখিতনা মাখন, শ গোম ওপান চাববে অমস্তুং যোংশিংদসু খবা পীজ-থোক্কে। মমানা মাখন চিংফমদা লাবগা চৈ অাংকপা অদু উবদা মচানা থুদেক্লিবনি হাঙ্গবা খঙবা ঙম্মে। মতম অদুদা মম না চৈ অংকপা অদু পাঙ্গতুন কৃষ্ণগী থোঙ্গুল মতুং ইম্না যেংতুনা ইমুংদা চংলকে। কৃষ্ণনা মাহ টবকুনা, খুববগনি হু ঈবা খঙনতুন নিঙ্গৎ-থোংলোমদা চেনখবে মমাসু মতুং ইন্নতুনা তান্নখবে, অদুদগী ভাইহাব লৈরগা মখুৎ ওইনা কৃষ্ণবু ফাবে। খুৎয়েংতা পাঙ্গাবগা চৈ অদু উবদা কৃষ্ণনা যাম্না কিবা মংৎ অমু উবদ যশোদানা চৈ অদু হুন্দোকখরে মচাবু খবা বাবক্তবা যাদে হঙ্গনা পৌবানা পুনবা হৌরক্লে। তৌইওমসুং থৌরী অদু খুদোল অনিদং রান্না পুনবা থু দবে, বশে দানা অনৌবা থৌরী শমজিন্নবগ, মমক গোপীশিং দা থৌদাবে, অনৌবা থৌরী শমজিনব, পুন্নগ নীংলকপদা খুদোল অনি বাংলে, মাংৎ অমুন তৌদুনা থৌরী কয়ামক শমজিন্নবস অশম্বা খুদিংগী খুদোল অনি অনি রাংলে। মমাগী মতৌ অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা কিদুনা এ মপ্পা।

গৌর-কৃপা টীকা

নৌতনা কপ্নি, মমা যশোদাস্থ ব্লাবনা মশা অহু চোকৃথরে। মতম অহুদা মমানা বাবা অহু উবহুনা ভক্তবু নুংশিবিবা শ্রীকৃষ্ণনা পুনবা অহু য়ারে। মাসিবু দামবন্ধন লীলা কৌই। শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবান অমহুং মনিং-মখা তৌবা নীপা ওইববস্থ ভক্তগী প্রেমগী য়াম্না মখা পে'ম্না নৈবা অহু য়াই অমসুং বিষ্ণু (লাই) ওইববস্থ ভক্তগী প্রেমগী মখা পোন্দুনা মতৌ কবম্না মখুৎ পুনবা কাওবা য়াথিবগে হাঙ্গৈবা অহু লীলা অসিদা উচ্চরে। দামবন্ধন লীলা অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা নুংশিবা ভক্তগী প্রেমগী মখা পোনবগী ফজবা অহু উচ্চরে। লীলা অসিদা মনা যশোদাগী ফজবা অৱবা প্রেমস্থ উচ্চরে।

শ্রীকৃষ্ণদি স্বয়ং ভগবান্নি, মহাক্তি বিভুবস্তুনি (লাইনি-বিষ্ণুনি) যশোদা মাতানা প্রেমগী চাং হেনজিন্না নৈবা মবম্না, ঐশ্বর্য্য জ্ঞান অহু নৈতে। মহাক্না খন্ডলিবদি শ্রীকৃষ্ণবু মচানি হাঙ্গনা খন্ডিও, শ্রীকৃষ্ণগী অফ-ফত্তগী দায়ীদি মহাক্তি হাঙ্গনা নীংতি, মাগী মচা গোপাল মরমচৎ চুমদে, মাহুগী চুম্নবগীদমক মানা ব্লারক্তনা কনানা ব্লাম্বকপিগনি? মরম অহুনা মহাক্না শ্রীকৃষ্ণবু যুগে হাঙ্গহুনা চৈ পাঙ্গহুনা তাম্নবিননি. থৌনীনা পুল্লিবনি। যামা ইচম চম্না মঙৈদা, বুদ্ধিদা, শক্তিদা হিরম খুদিংদা কবিস্ন নৈতবনি হাঙ্গনা খনবা (ইচন চম্বা)। শুদ্ধ বাৎসল্য (মচাবু থমথেংনা নুংশিবা'গী চ'জফম শ্রীযশোদা মাতানা শ্রীকৃষ্ণবু ঈশ্বরনি হাঙ্গনা খন্দে, মানা খল্লী, শ্রীকৃষ্ণদি মহাকী খোম্না যোকৃপা অঙাংনি, য়াম্না শোল্লিবনি, কনাদস্থ চংজফন নৈতবনি, মশাদা তোংবা বাং-হৰিং ফাওবা তাম্তোবপা হৈত্রিবনি, চাক লাম্নে হঈবা ফাওবা ফোংদোবপা হৈত্রিব'ন। মহাক (যশোদা) নংনা শ্রীকৃষ্ণগী অতৈ গতি নৈতে মহাক্না পীজবগা চাব, মনা হিংহল্লগা হিংবা। মহক্কী (মশাগী, অফ-ফত্তা খন্নবগী বিচারগী শক্তি লে'ত্র, যুহুনা চৈহুনা, পুন্দুনা ব্লারক্লিবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী মঙ্গলগীদমক হোৎনম্নিবনি। শ্রিযশোদাগী অশেংবা প্রেম অসিদা পেল্লহুনা শ্রীকৃষ্ণনা চাংদম্নীংঙাই নৈহনা নুংঙাইবা ফংজরি।

শ্রীকৃষ্ণদি দেবকীগীস্থ মচানি, তৌইগুম্বসুং মাহু পয়ার অসিনদি পল্লমদরে, মরমদি, দেবকীনা মচাদা নুংশিবা (বাৎসল প্রেম) অহু শেংনা নুংশিরমদে, মাহুদা ঐশ্বর্য্যজ্ঞান য়ানশিল্লি। কংসগী কৈশুমশংদা পোকপা মতম অহুদা দেবকী বসুদেবনা ঈশ্বরনি হাঙ্গনা খন্দুনা স্তব তৌরম্মী, খুরুম্নম্মী। কংসবু হাৎলবগী মতুংদা শ্রীকৃষ্ণনা মখোঙ্গগী চরণ খুরুম্বা মতমদস্থ হঙ্গোইবা পোকখি ভগবান্না মখোঙ্গগী চরণ খুরুম্নে হাঙ্গহুনা। শ্রীকৃষ্ণদা মখোঙ্গনা

সখা শুদ্ধ সখ্যে করে স্কন্ধে আরোহণ।
'তুমি কোন বড় লোক ?—তুমি আমি সম' ॥২২

অর্থ

মরুপ্পা মরুপকা ভাবতা লেংবান্দা তোংবদি।
'নংবু অচৌবা মীয়া ?—নংগা ঐগা অমহানি' ॥২২

গৌর-কৃপা টীকা

খু চৈবা ওমদে, মবমদি কৃষ্ণগী মফমদা মখোঈনা মুংশিবা অদু যশোদা-মাতাগী মতৌগুম্না হকচিন্না মুংশিবা ওমদে। শ্রীকৃষ্ণনা শুদ্ধ বাৎসল্য প্রেমগী মখা পোনবা পয়ার অসিদা উচ্চবে।

২২। পয়ার অসিদা অশেংবা মরুপ মুংশিনবগী মওং-মতৌ উচ্চবি। ব্রজগী সুবলনচিংবা মরুপ (মমান্নবা) শিংনা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা অশেংবা মরুপ মুংশিবগী ভাব লৈরম্মী। শ্রীকৃষ্ণবু মখোঈনা ঈশ্বরনি হাঈনা রাখন তৌদে, মখোঈনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোঈদগী হেনবনি হাঈনসু রাখন তৌদে, মখোঈগা মান্নবনি হাঈনা নীংঙি। চপ চপ মান্ননা মখোঈগা কৃষ্ণগা শান্নমিন্নৈ, শান্নবদা পোরগা (মাঙলগা) ভাংনখিব। মতু-ইন্না কৃষ্ণবু লেংবান্দা মকপ্পা তোংহল্লী, অদুগা কৃষ্ণনা পাঙ্গল পোরবসু কৃষ্ণগী লেংবান্দা মরুপ্পা তোংঙি, মতৌ অসিদা শম্নামকৈ অমা ফাওবা হঙ্গোইবা পোরুদে। বোন্দা কোঈবা (বনভ্রমণ) মতমদসু উহৈ অমতং ফংলগা চাবা এতমদা হাওববদি কৃষ্ণদা পীদনা (খাক্ৰনা) চাবা ওমদে, খুদক অদুদা চাবা হৌবরবা (মহাও তংলুরগা) লুখাক অদু কৃষ্ণগী মচিন্দা ইনবি, কৃষ্ণসু মাদু য়াম্না হবাংনা চাঈ। মকপকা মুংশিনবা অদুগী মখা পোন্দুনা শ্রীকৃষ্ণনা মমান্নবশিং অদুবু মরেংবান্দা তোংহল্লা, মখোঈগী লুখাক ফাওবা চাঈ, হাঈবসি পয়ার অসিদা উচ্চবে।

মরুপ্পা—সুবলনচিংবা ব্রজগী মমান্নবশিংনা। মকপকী—ঐশ্বর্য্যজ্ঞান য়াওদ্রবা অশেংবা মরুপকী মুংশিনবগী। নংবু অচৌবা মারা—কৃষ্ণগী লেংবান্দা তোংবা মতমদা নত্রগা অতোপ-অতোপ্পা মতমদসু সুবলনচিংবা মমান্নবশিংনা কৃষ্ণদা হাঈ—"কৃষ্ণ। নংনা ঐখোযদগী করম হাঈনা অচৌবা মী ওইগনি ? নংসু যণ শেনবা, ঐখোযসু যণ শেনবা চপ মান্নে।" শ্রীকৃষ্ণবু লাঈনি ভগবৎনি হাঈনা খনবদ লাঈরদুনা, নিংথৌগী মচানি হাঈবা ফাওবা মুংশিবা অদুনা হেঞ্জিনখিদুনা কাউখবে। দ্বাবকা, মথুরানচিংবগী মকপপুদি পযাব অসিদা পন্দ্রে, মখোয়দি ঐশ্বর্য্যজ্ঞান যাওই হাঈদুনা। অর্জুন্না কৃষ্ণগী বিশ্বরূপ দর্শন তৌবগা কিদুনা খুরুম্মী। কৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য যাম্না উবাসু সুবলনচিংবাদি নিদে।

প্রিয়া যদি মান করি করয়ে ভৎর্সন।
বেদ স্তুতি হৈতে হরে সেই মোর মন ॥২৩

অর্থ :—

চৈবা শাউবনচিংবা তৌবহ্ন চান্নবীনা।
নৈগী পুক্লিং পল্লী বেদস্তুতিদগী হেন্না ॥২৩

গৌর-কৃপা টীকা

২৩। পয়ার অসিদা কান্তা ভাবগী মওুণ উহনজবি। শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী ব্রজগী নিংথিজবীশিংনা ওইনহ্নুনা (শাউহ্নুনা) অয়াম্বা মতমদা শ্রীকৃষ্ণদা চৈ, তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণনা মাহুদা কবি অমংা শাউদে, শাউবদি লাঙ্গরহ্নুনা মুংঙাইবা ফডি, বেদস্তুতি (বেদনা খুরুম্বা) তারবসু মহাক্না কৈদৌঙৈদসু অহ্নুক য়াম্না মুংঙাইবা ফংদে। ব্রজগী নিংথিজবীশিংগী অরুবা-প্রেম অহুগী ওম্না শ্রীকৃষ্ণনা মখোইগী মফমদা কম্নামুক মথাপোনখরবগে হাঙ্গবদা চাংদম্নীংঙাই লৈতবা লমন (শিংবদা লোইববোইদবা লমন) তোল্লে হাঙ্গনা মচীন্না হাঙ্গখি (ন পারযেহহং নিরবদ্যস যুজামিত্যাদি। শ্রীভা, ১০।৩৩।২২॥) শ্রীরাধিকাগী মান ভঞ্জন (অশাউবা কোক্লবা) গীদমক, স্বয়ং ভগবান ওইববসু শ্রীকৃষ্ণনা "দেহীপদপল্লব মুদার" হাঙ্গহ্নুনা ইবেম্মগী চরণা খুকমজখি।

চান্নবীনা—চান্নবী ব্রজগী নিংথিজবীশিংনা। শাউনা—মান, অমগা অমগা পুন্না নত্রগা তোঙান-তোঙান লৈবদা, রাধা কৃষ্ণ অনিনা মাগী-মাগী পুক্লিংনা নীংলকপা মতুংইন্না কোনবা, শোরপনচিংবা ফোংলোকপা য়াদবা মওং অহুবু অশাউবা (মান) কৌই।

"দম্পত্যোর্ভাহ একত্র সতোরপ্যনুরক্তয়োঃ। স্বাভীষ্টাশ্লেষ—বীক্ষাদিনিরোধী মান উচ্যতে ॥ উ, নী, মান ৩১॥" মরাল লৈবা নায়কা মফমদা নায়িকানা মহৌশানা শাউগল্লী। শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা ব্রজসুন্দরীশিংনা ইতত্ত্বনা শাউদে, কবি করিগুম্বা মতমদা শাউবনি, মতম অহুদা চৈবা ফাওবা যাওই। দেবস্তুতি—ঐশ্বর্য্যজ্ঞান য়াওই হাঙ্গহ্নুনা অমসুং অশেংবা প্রেম নত্তে হাঙ্গহ্নুনা বেদস্তুতিবু শ্রীকৃষ্ণনা পেন্দে। পেল্লী—মুংঙাইবনা শুমহৎলি।

আশ বা প্রেমদি চাগদবমক্তি, ভক্তগী লমচং ব্যবহারদা অশেংবা প্রেম ফোংদোক্তনা অডকপা মওং অমা শইনা উবা ফংডি, নরম অহুনা মখোয়গী লমচং ব্যবহার অহুবু রসিক শেখর শ্রীকৃষ্ণনা য়াম্ন পানবৈ। ব্রজ সুন্দরীশিংগী প্রেমদি অডকপগী মশক্তি,

এই শুদ্ধভক্ত লঞা করিমু অবতার।
করিব বিবিধবিধ অদ্ভুত বিহার ॥২৪

অর্থ :—

শুদ্ধ ভক্ত লোইনদুনা অবতাব তৌগনি।
মখল মখলগী অঙকপা লীলা শান্নগনি ॥২৪

গৌর-কৃপা টীকা

মখোয়গী ইন্দ্রি পুম্নমকম্ভ মহাভাবকী মশক ওইখরে, মবম অদুনা মখোয়গী কয়িগুম্বা ইন্দ্রিগী মওং অদু, হাঙ্গবদি মখোঙ্গনা চৈবা ফাওবদসু—কৃষ্ণনা যাম্না পেনবা ফংডি। "ইন্দ্রিয়াণাং মনোবৃত্তিরূপ ত্বাৎ ব্রজসুন্দরীণাং মন আদি সর্ব্বেন্দ্রিয়ানাং মহাভাবরূপত্বাৎ তত্তদব্যাপারৈঃ সর্ব্বৈবেব শ্রীকৃষ্ণস্যাতিবশ্যত্বং যুক্তি সিদ্ধমেব ভবেৎ। উ, নী, স্থা ১১১ শ্লোকী আনন্দচন্দ্রিকাটীকা।"

বেদস্তুতিদা (বেদনা খুকুম্বদা) শ্রীকৃষ্ণবু খুদুম চনবা ঙস্গী প্রেম লৈতে হাঙ্গদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মাদুদা পেন্দে গোপী প্রেমামৃতদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গখি—"ন তথা বোচতে বেদঃ পুরাণ্যাদ্য স্তথেতবা। যথা তাসান্ত গোপীনাং ভৎসনং গর্ব্বিৎং বচঃ॥ বেদ পুবাণচিংবগী বাহৈদি (স্তুতিবাক্যদি) পেন্দে, গোপীবাশিংগী চৈবা অমসুং নাপন চৌবা বাহৈদি পেল্লী॥"

দ্বারকাগী ইবেম্মাশিংগী কান্তাভাব অদু ঐশ্বর্য্যজ্ঞান যাওই হাঙ্গদুনা শ্রীকৃষ্ণনা পেন্দে, মবম অদুনা দ্বারকাদা ইবেম্মশিংগী মনাক্তা লৈরবসু শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজসুন্দরীশিংবু নীংশিংগু বগা খৌরাংবগী অরাবনা ফব-ফর ওল্লা (হাহা-কাব লাউই)। ঐশ্বর্য্যজ্ঞান য়াওবা মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা ব্রজসুন্দরীশিংগী মাতোঙ্গা নুংশিবা হবচিন্দে, অদুগা কয়িগুম্বা শাউনিংলবপা মতমদা শ্রীকৃষ্ণদা চৈবা ঙমদে, অতোইনদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মখোযদা চৈ, চবা অদুদা মখোযনা শাউবা ঙমদে, শাউরুবদি শ্রীকৃষ্ণনা মখোযবু থাদোকখিগনি খল্লী। মতৌ অসিদগী দ্বারকাগী ইবেম্মশিংগী প্রেমদগী ব্রজসুন্দরীশিংগী প্রেম্না অঙকপা ফংনা ফজবা হেল্লী। পয়ার অসিদা ইরিবা অসি ব্রজসুন্দরীগী প্রেম্মি, দ্বারকাগী প্রেম নত্তে। জীব খুদিংমক্তা থবাই হাপ্পিরিবা অসি শ্রীকৃষ্ণননি। অদুনা থবাই পুম্নমকী মপুদি শ্রীকৃষ্ণনি। ব্রজ গোপী-শিংনা শ্রীকৃষ্ণবু থবাইগী মপু (প্রাণপতি) নি হাঙ্গনা নীংই, মাসিদা কয়িসু অকাঙ্গবা লৈতে, ইকাইফমসু থোক্তে ঐখোযসু শ্রীকৃষ্ণবু প্রাণ পতিনি হাঙ্গনা নীংকম থোকুই।

গৌর-কৃপা টীকা

২৪। "জগৎ অপূর্ব্বা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান ওইনা চংখরে" হাঙ্গীহুনা অমসুং জগৎতা অশেংবা —প্রেম লৈবা ভক্ত য়াংলি হাঙ্গীহুনা শ্রীকৃষ্ণনা য়াশকখি, মাহুদিঃ—মহাক্কী মমা-মপা, সখা, কান্তা (চান্নবী) নচিংবা নিতিগী লোঈনরিবা শুদ্ধ ভক্তশিংগা লোঈনহুনা জগৎতা অবতীর্ণ ওইকবগে অমসুং মখোঈগা লোয়নহুনা অঙকপা লীলা শান্নহুনা মখোঈগী প্রেম রসকী মহাও চুপ্পবগে।

শুদ্ধভক্ত - মথক্কী পয়ার পূম্নমক্কা ইরিবা মমা-মপা, সখা (মমান্নবা) অমসুং কান্তাশিং (চান্নবীশিং)। করি করিগুম্বা লাইরিক্তা "শুদ্ধ-ভক্তি" হাঙ্গীনা ইবসু য়াওই; অর্থদি —শুদ্ধ ভক্তিগী চংজকম—দি নন্দ—যশোদা—সুবল—মধুমঙ্গল—শ্রীরাধিকানচিংবীনি। লোঈনহুনা - পুহুনা অবতার তৌগনি—অবতীর্ণ ওইগনি। পয়ার তংখাই অসিদগী খঙনরিবদি, শ্রীকৃষ্ণগী মপা মমা, সুবলনচিংবা মকপশিং অমসুং শ্রীরাধিকানচিংবী চান্নবীশিং অসি জীব নত্তে - মখোঈদি শ্রীকৃষ্ণগী নিত্য পরিকর (নিতিগী লোঈনবা), অনাদি কাল-দগী (সৃষ্টি লৈত্রিঙৈদগী) নিতিগী শ্রীকৃষ্ণনা মখোঈগা লোয়নহুনা মুৎপা লৈতনা লীলা শান্নে; শ্রীকৃষ্ণনা জগৎতা অবতীর্ণ তৌবা মতমদা, মখোয়সু শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা অবতীর্ণ ওইয়গা শ্রীকৃষ্ণবু প্রকট লীলাদা (অকোংবা থুইনা উবা লীলাদা) রস চুপহল্লী। শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ শক্তিনা অনাদি কালদগী অহোবা-লৈতবা মতমদগী মপা-মমা, মমান্নবা, চান্নবীশিং ওইহুনা কোংদোক্লগা শ্রীকৃষ্ণবু অঙকপা লীলা রসকী মহাও চুপহল্লী। শ্রীকৃষ্ণদি পোক্কে, মহাক্কী মমা থাঙ্গশেংবা লৈতে. নিত্যনি, অবেপ্পনি; অনাদিনি; নন্দ-যশোদনা তশেং-না পোকপা নত্তে, শ্রীকৃষ্ণবু মচা মংশিবগী রস চুপহনগে হায়বগীদমক অনাদি কালদগী নন্দ যশোদানা শ্রীকৃষ্ণবু মচানি হায়না নাংহনগরে। শ্রীরাধিকানচিংবী শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী-শিংসু যুম-পানবগী নিয়মগী মতুংইন্না নিত্যধামদা কবিগুম্বা মতমদা লুহোংখিদে, স্বর্গী মমাংদগী চান্নবীশিং অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গী মবুংঙোনি হায়না নাংঙি, অহুগা মখোয়বুনা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবীনি হায়না নাংঙি। শ্রীরাধিকানা শ্রীকৃষ্ণগা লৈনরিবা মর্রা অসি লুহোংবদগী লৈবা তারবদি শ্রীকৃষ্ণবু সৃষ্টিগী মমাংদগী লৈবনি হায়বসি য়াফম থোক্কে। মতুংগী পয়ার শুগী টিকাদা য়েংবিয়ু। শ্রীকৃষ্ণলীলাগী অমসুং শ্রীকৃষ্ণ পরি-করগী মরমদা অবেপ্পনি হায়বা ভহু পদ্মপুরাণ পাতাল খণ্ডদগী খঙবা ঙম্মী, শ্রীকৃষ্ণ মশামক্তা ব্যাসদেবদা হায় "নিত্যং মে মথুরাং বিদ্ধি বনং বৃন্দাবনং তথা। যমুনাং গোপকন্যাশ্চ তথা গোপাল বালকাঃ॥ মমাবতারো নিত্যেহয়মত্র মা সংশয়ং কৃথাঃ।—

গৌর-কৃপা টীকা

হৌজিক লৈরিবা মথুরাপুরী, বৃন্দাবন, যমুনা তুরেন, গোপগী মুপীশিং অমসুং গোপগী অঙাংশিং পূম্নমক অসিবু ঐগী অম্রেম্না পোৎনি হাঙ্গৈনা খঙঙু অমসুং ঐগী অবতারবস্থ অমেম্নানি (নিত্যনি) মাতুদা করিগুম্না অমতা চিংনকুগনু। ৪।২৬—২৭॥" অতুগা হাঙ্গিল্লিবা মথক্কী পুরাণ অতুদা নারদপী মফমদা শ্রীশদাশিবনা হায়খি— "দাসাঃ সখায়ঃ পিতরৌ প্রেয়স্যশ্চ হরেরিহ। সর্ব্বে নিত্যা মুনি শ্রেষ্ঠ ত্যত্তুল্যা গুণ শালিনঃ। যথা প্রকট লীলায়াং পুরাণেসু প্রকীর্ত্তিতাঃ। তথা তে নিত্যলীলায়াং সন্তি বৃন্দাবনে ভুবি॥ হে মুনি! শ্রীকৃষ্ণগী মনাই, মরুপ, মমা-মপা অমসুং চাম্নবীশিং—মখোয় পূম্নমক অসি নিত্যনি (শিবা লৈতে অরেম্বনি); মখোয় কৃষ্ণগী মতৌগুম্না (অপ্রাকৃত) গুণ লৈবনি। শ্রীকৃষ্ণগী প্রকট (ফোংদোকপা) লীলাদা মখোয়গী বা (ৱারী) পুরাণদা ইরিবা অদু, অপ্রকট (ফোংদোক্তবা) লীলাদসু বৃন্দাবন্দা, অদুগুম্না, চপ চানা মান্নবা নিত্য (অরেম্বা) ওইদুনা লৈরিবনি।৫২।২-৪॥" প্রমাণ পূম্নমক অসিদগী খঙবা ঙম্মী, অমতা ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী নিত্যপরিকর (নিত্যগী লোয়নবিবা) শিংগা লোয়নদুনা প্রকট (অফোংবা) অমসুং অপ্রকট (ফোংদোক্তবা হায়বদি ভক্তদনা খঙবা ভক্ত নত্তবনা খঙদবা) লীলা শান্নদুনা লৈবা, মতম অতুদা মহাক্কী অপ্রকট লীলাগী লোয়নবশিং অদুবু পুত্তনা মহক্না প্রকট লীলাদা অবতীর্ণ ওই (স ইন্দ্রনা শাস্ত্র)। বৃন্দারণ্যে বিহরতা সদা রাসাদিবিভ্রমৈঃ। হরিনা ব্রজ দেবীনাং বিরহোহস্তি ন কর্হিচিৎ॥১ তথাচ পাদ্মে পাতাল খণ্ডে মথুরা মাহাত্ম্যে। গোগোপ গোপিকাসঙ্গে যত্র ক্রীড়তি কংসহা॥২ (সংক্ষেপ বিধোগস্তিতিঃ)। উ, নী,—বৃন্দাবন্দা অত্তপ। লৈতনা রাসনচিংবা শান্নবনা, শাংবা-পামজবা-শ্রীকৃষ্ণগা রাধাগা কৈদৌঙৈদসু লাংদে (থাদোক্লদে) হায়বদি খ্বাইনবগী অৱাবা ফংদে, প্রকট লীলাদা অক্রুরনা হায়জদুনা মথুরাদা চৎখি, নিত্য লীলাদদি বৃন্দাবন্দা মতম লৈবা খিবিক্তা শান্নদুনতা লৈ। ১॥ মাসিগী মথক্দা পদ্মপুরাণগী পাতাল খণ্ডদা ইরুরু, মাদুদি-মথক্কী শ্লোক ২দা য়াওরিবা 'ক্রীড়তি" শব্দ অসি বর্ত্তমান কালনি, বর্ত্তমান কাল শিজিন্নবা মরম অদুনা বৃন্দাবন্দা গোপীশিংগা লোয়নদুনা শ্রীকৃষ্ণনা রাস হৌজিক ফাওবা শান্নবা পোৎথাদে হায়বা খঙনৈ॥২॥

ৱাহং অমা হংনিবা য়াই, প্রকট লীলাদসু অপ্রকট লীলাগী লোয়নবশিং অদুগা তিন্নদুনা লীলা তৌবা (শান্নবা) তারবদি জগত্তা অমুক অবতীর্ণ ওইবগী করি কান্নবা লৈবগে? অপ্রকট লীলাদা পরিকর পূম্নমক্না লোয়ননা শ্রীকৃষ্ণনা লীলারস চুপ্নিবা মতুংদা?

বৈকুণ্ঠাদ্যে নাহি যে-যে লীলার প্রচার।
সে-সে লীলা করিব, যাতে মোর চমৎকার ॥২৫
মো-বিষয়ে গোপীগণ উপপতি ভাবে।
যোগমায়া করিবেক আপন প্রভাবে ॥-২৬

অর্থ

বৈকুণ্ঠনচিংবদা শন্দোক্তবা লীলাদু।
শান্নগনি, ইশামকপু ওকনি লীলাদু ॥২৫
অথুপ্পা—মবুংঙো ওইনা ঐবু গোপীশিংনা।
নাইংহন্‌গনি যোগমায়াগী শক্তিনা ॥-৬

গৌর-কৃপা টীকা

পাওখুমদি—পয়ার অসিগী অনিশুবা তংখাইদা হাঈরি—নিত্যপার্ষিকরগা লোয়ননা জগতা অবতীর্ণ ওইরগা শ্রীকৃষ্ণনা লীলা অঙক্ অঙবপা পুথোক্কদৌরি, মাদু অপ্রকট লীলাদদি পুথোক্কে। (মতুংগী পয়ার মঙাদা অঙকপদু শন্না ইজরি)।

অংকপা লীলা—অপ্রকট লীলাদা শান্নখিদ্রিবা লীলা, শান্নরকফমদু থোক্তবা, অদু গুম্বা লীলা পূমমক অদুবু শান্নগে (তৌগে) হাঈবগীদমক নত্তা ওইনা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার ওই।

২৫। করম্বা মখলগী অঙকপা লীলা তৌবগে হায়বদু শন্দোক্তা উচ্চরি। শ্রীকৃষ্ণনা হাঈখি—"বৈকুণ্ঠনচিংবা ধামদসু শন্দোবত্রিবা লীলা অদু, জগতা অবতীর্ণ ওইরগা শন্দোকনি, লীলা পূমমক অদুগী নুংঙাইবা অঙবপদু উরগা ইশামকপু ওকনি।"

বৈকুণ্ঠনচিংবদা—পরব্যোমদা মশিংথীবা ওমদবা মখৈ ভগবৎকী মশক্কী তোঙান-তোঙানবা ধাম্ লৈ; মখোঈ খুদিংমকপু বৈকুণ্ঠ কৌই; বৈকুণ্ঠ পূমমক্কী লৈফমগী অকোয়বা অদুবু পরব্যোম কৌই, পরব্যোমসু বৈকুণ্ঠ কৌই। পয়ার অসিদা বৈকুণ্ঠ শব্দনা অতোপ-অতোপ্পা বৈকুণ্ঠবু নত্রগা পরব্যোমম্ব খঙনৈ। অদুগা, চিংবা শব্দনা পরব্যোম অমসুং দ্বারকা, মথুরা, ক্ষেত্র, গোলোকচিংববু খঙনৈ। ধামশিং অসিদা শান্নখিদ্রিবা লীলা অদু ব্রহ্মাণ্ডদা অবতীর্ণ ওইরগা শ্রীকৃষ্ণনা শান্নগনি। লীলাশিং অদু মমাংঙৈদা শান্নখিদ্রিবা ওইবনা মাদুগী রসকী অঙকপদু উরগা স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণসু ওকনি।

২৬ অথুপ্পা মবুংঙো—উপপতি। অবতার অনাগী মতম্ ওইবনা যোগমায়ানা উপপতি পুথোকপনি। অপ্রকট ধামদা শান্নদবা লীলা অদু প্রকট লীলাদা কোংদোকনি, মাদুগী খুদম ওইনা—কান্তাভাবকী অঙকপা লীলা অদু উচ্চরি।

গৌর-কৃপা টীকা

ঐবু—শ্রীকৃষ্ণবু। গোপীশিংনা শ্রীরাধিকানচিংবী বজসুন্দরীশিংনা। অথ্প্না মবুংগী—উপপতি, অতুম ওইবা নীপা অতুনা পামজবনা মরম ওইতুনা ধর্ম্মবু হিক্নোক্না (ধর্ম্ম লাম্বোক্লুনা) পরকীয়া (অতোপ্পা মমদা লৈবা) নুপীগী মফমদা নুংশিবা তামস্লং নুপী অতুগী প্রেমতনা মহাক্কী পুন্সিগী লম ওইবা, মহাকপু পণ্ডিতশিংনা নুপী অতুগী উপপতি (থুপ্পা থম্বা-থরাইগী মবুংঙো) কৌই। "রাগেণোল্লঙ্ঘয়ন্ ধর্ম্মং পরকীয়া বলার্থিনা। তদীয় প্রেম—সর্ব্বস্বং বুধৈরুপপতি স্মৃতঃ ।। উ, নী, নায়ক ভেদ ।১১।।" অমগা অমগা নুংশিনবা হেন্জিনরক্লুনা লুহোংবগী রাথন থাদোক্লবা, অতুন ওইবা লুচিংবা—লচিংবী (নায়ক-নায়িকা) অনি অদু চান্নরবদি, নায়ক অদুবু নায়িকা অতুগী উপপতি কৌই (লোল্ল-চান্নবা মবুংঙো কৌই)। উপপতি শব্দদগী পতি থোক্ই। ধর্ম্মগী মতুং ইন্না নুপী লচিংবী অতুনা লুহোংলবদি পতি (মপুরোইবা) ফংবা কৌই, অদুম ওইবা লচিংবী নুপী অতুনা অতোপ্পা নীপা অমদা নুংশিরুববদি, নীপা অদুবু মহাক্কী উপপতি (লোল্লা চান্নবা-হেল্লা নুংশিবা মবুংঙো) কৌই। মতৌ অদুম তৌরবদি পরকীয়া নায়িকা অতুনা উপপতিগী ভাব অদু শেংনা নিংথিজনা ফোংদোকপ কৌই। অমগা অমগা নুংশিনবা হেনজিল্লক্লুনা কনাগুম্বা লুচিংবা (নায়ক) অমনা কনাগুম্বী লুহোংদ্রিবী নুপীমচা কুমারী অমগা চান্নরবসু (লোইনরবসু) লুচিংবা নীপা অদু কুমারী অতুগী উপপতিনি হায়না যাই, মসুম হায়না চান্নবদু ধর্ম্ম থোক্কে, লুহোংলবী অতোপ্পদা লৈবা নুপীগী মতৌগুম্না কুমারী অদুসু নায়ক অদুগা লোয়নবদ, চংশিনরবদা অকল্লমন্না থাজত্রিবনিনা পীদিবনিনা, চংনবকুপা নাম্নীদা অনাইবা লাকই।

লোল্লা চান্নবা মবুংঙোগী ভাব—উপপতিগী ভাব, শ্রীকৃষ্ণবু উপপতিনি হায়না খনজবা। যোগমায়া—কৃষ্ণ লীলাগী মতেংপা বী শক্তিগী তুনফম ওইবী দেবী। মহাকসু শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ—শক্তিনি; "যোগমায়া চিচ্ছক্তি বিশুদ্ধ-সত্ত্ব-পরিণতি ।২।২১ ৮৫॥" কনাগী মনা তৌবা ভমদ্রবা থবক অদু যোগমায়ানা ইলাই—লাইনা তৌবা থবকনি।

মথক্কী পয়ারদা হায়জখরে, পররোমদা অমসুং গোলোকচিংগী থাকদা লীলা পূর্ণমক শাগদে, ব্রহ্মাণ্ডদা অবতীর্ণ ওইরগা শুঙকুপা লীলা পূর্ণমক শাগনি, অভক্পা লীলা পূর্ণমক অদু শীংপারবদা, শীকৃষ্ণগী মফমদা গোপ সুন্দরীশিংনা উপপতিনি হায়না যোগমায়ানা নীংহনবা অতুসু রাওনা শীংপানা তারে। রা অসিনা খঙনবিন্দি, লোল্লা উপপতিগী ভাব অসি লৈতে, লীলা ওইনসু শাগদে, উপপতিগী লীলা অসি এফম

গৌর-কৃপা টীকা

অতুদা শাস্ত্রবস্রবদি, অমুক ব্রহ্মাণ্ডদা প্রকট লীলাদা লীলা শৌববগী থোইনা কাস্রবা লৈক্রম থোক্কে। উপপতি-ভাবকী লীলাগী অঙবপা বস অতু চুপকে হাঈবগীদমক মরূ ওইনা প্রকট (ফোংদোকপা) লীলা শাস্ত্রবিবনি শ্রীবৃন্দাবনদা। নব লীলা (মী ওইনা পোকপগী লীলা) সিদ্ধি ওইনবগীদমক প্রকট লীলাদা কৃষ্ণ পোকপগী লীলা ফোংদোকই; মবম অতুনা অতোপ-অতোপ্পা মুমদা অতোপ-অতোপা লোঈনবশিংনা পোকপগী লীলা ফোংদোকই। পোকপগী লীলা অসিনা মবম ওইতুনা যোগমায়ানা কৃষ্ণগী লোঈনবশিংগী (পবিকরশিংগী) মশাবু নিংশিংবা অতু কুপসিনখবে, কুপসিনখিবনা মবম ওইতুনা মশানা মশাগী মগুণ খঙখিদরে। কৃষ্ণগী তত্ত্বসু খঙখিদবে। শ্রীরাধানচিংবগী ব্রজগী কুজবীশিংনা মপুক্সিংনা থম্নী; মখোয়দি গোপগী মচানুপানি, কৃষ্ণসু গোপগী মচা অমনি—নন্দগে পগী মচানি। নাকল অনিমকী লুহোংবগী মতাং লাকপা কান্দা প ক্তি পুন্নমকী মকোক ওইবা গর্গাচার্য্যনা শ্রীরাধিকানচিংগী গোপ-সুন্দরীশিংগা শ্রীকৃষ্ণগা লুহোংবদা মঙ্গল ওইবোই হাঈনা হাঈরম্মী। অদুনা গোপীশিংনা অতোপ্পা গোপশিংগা লুহোংবা তাবম্মী। মতম অতুদা রা অমা খন্নবকপা হৌরক্লে। শ্রীরাধিকানচিবী ইবেমশিংদি শ্রীকৃষ্ণগী নিত্যকান্তানি (অয়েল্পা চান্নবীনি), মবম অতুনা অতোপ্পদা লুহোংলুরবদি কৃষ্ণগী চান্নবী ওইবা অতু কাযগদৌরিবনিনা যাদবে। অতুগা গোপশি অতসু লুহোংলগে হাঈনা লেপ্পে, মখোয়গা লুহোংগদৌরিবা কন্যাশিং অতুগী মশক, মগুন মখোয়না খঙজবা লৈতে, খঙহনবসু লৈতে; খঙহল্লরবদি নবলীলা (মী ওইনা পোকপগী লীলা) কাস্রবা তারি। উপপতিগী ভাব অসিসু সিদ্ধি ওইননবগীদমক গোপগী কন্যাশিং অসি লুহোংলগ হাঈবা মিংথোল অমসু পকহন্দবা যাত্রি।

ভাব পুন্নমক অসি কাযদনবগীদমক যোগমাযানা অংকপা লৌশং অমা পুখোক্লগে হাঈনা লেপ্পে। মহাক্না কনাবুসু খঙহনবা লৈতনা মঙগী জাল (লাং) অমা শন্দোবক্লে। জাল (লাং) অতুনা গোপ-কন্যাশিং নত্তনা অতি পুন্নমকপু কুপখবে, অতুদগী মী পুন্নমক্না গোপ-কন্যাশিংগা গোপশিংগা লুহোংলে হাঈনা মনঙদা উহল্লে; মমঙদা উরিবা অতু অশেংবনি হাঈনা মপুক্সিংনা নীংখয়ে। মঙগী ফিবম অসিদা অভিমন্যুনচিংবা (গোপশিংনা শ্রীরাধিকানচিংবী গোপীশিংবু মখোয়গী মপী ওইবে হাঈনা মপুক্সিনা নীংবা হৌরক্লে, তৌইগুম্বসুং শ্রীরাধিকানচিংবীশিংদি কৈদৌঙৈদসু অভিমন্যুনচিংববু মবুংঙোনি হাঈনা নীংদে; মরমদি মখোঈদি সতীগী মকোক ওাঙনি, অহানবদা মখোঈনা মপুক্সিংদা শ্রীকৃষ্ণগী চরণা আত্মসমর্পণ তৌরবনি। মাসিমসু অচুম্বনি, অতোপ্পা মীশিংদা লুহোংবগী মঙ

গৌর-কৃপা টীকা

মওহনবা মতমদা, যোগমায়ানা গোপগী কন্যাশিংবুদি শুমহৎতুনা থম্মন্না মরম্মা মখোযদি মওদা লুহোংখিবগী রা অসি করিস্নু খওবা লৈতে, অতুম অতুম ওইনমক মতম চপ চানা শ্রীরাধিকানচিংবী গোপ-কন্যাশিং অসি মত্ত-মওতীবা গোপশিং অতুগী মযুমদা ভক্তিগী মতুংইন্না লাকপা তারম্মী । কন্যাশিংনা অভিমন্যুনচিংবগী মযুমদা লাক্লগসু পতিশিং অহনা মখোয়গী মশা শোকপা ওমদে । মফম অসিদা লাক্লবা মতুংদা শ্রীকৃষ্ণগা গোপী-শিংগা মরী লৈনবা হেনজিন্নখি, মতুংদা নিভৃতদা শান্নবা উনবনচিংবা ওইখি । গোপীশিং অসিনা শ্রীকৃষ্ণ উনগে হাঈতুনা যুমদগী থোরকপা মতমদা যোগমায়ানা গোপীমূর্ত্তি অমা শেমতুনা যুম অতুদা থমখী, গোপশিং অতুনা মূর্ত্তি অতুবুসু শোকচবা ওমদে । (গোপাল চম্পূ কৌবা লাইরিক্তা পূর্ব্ব চম্পূ ১৫শ পুবাগী (য়েংবিযু) ।

মতৌ অসুম তৌতুনা যোগ-মায়ানা প্রকট লীলাদা শ্রীকৃষ্ণবু গোপীশিংগী উপপতিনি হাঈনা খ্বাইগী পুক্লিংদা নীংহল্লে । নীংহনবতনি থাজৈশেংবদি নত্তে; মরমদি, অতোপ্পা কনাগুম্বা গোপশিংগা লোঈননা গোপীশিংগা করিগুম্বদা লুহোংখিবা লৈতে ; অতুনা গোপ-সুন্দরীশিং অসি মহৌশানা শ্রীকৃষ্ণগী নিত্য—স্বকান্তানি (অশেংবা চান্নবীনি) । প্রকট—লীলাদসু মখোয়না শ্রীকৃষ্ণবু মবুংঙো (পতি) নি হায়না নীংজে , লৌকিক লীলা (অচৎবা লীলা) দা অতোপ্পা গোপগী মযুমদা লৈকই হাঈতুনা, যোগমাযানা খ্বাইগী মওদা লুহোংবগী জাল অমনা কুপখিবতুনা মরম ওইতুনা, মতংগী লুহোংবগী মিংথোন অতু পুক্লিং অসিদগী তাম্থোকপা ইওম—ওমদে । মফম অতুগী গোপীশিং অতগা মবুংঙো গোপ অতুগা করিগুম্ব মরী লৈনদে, মরী থমগে হাঈনসু গোপীশিংনা খল্লে, অতুম্মদি ওইবগা লুহোংলে হাঈবা মিংথোল অমা হাঈজিনবা অতুদা—শ্রীকৃষ্ণগা মখোয়গা উনবদা য়েখাইবা অমদি পীবি, যুমদগী থোরকপা মতমদা মখোযগী মপুক্লিংদা মফম অতুগী গুরুজনগী অকিবা অমা পোকই অনসুং শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা রা ভাংনবদা লোম্না তুমিন্না ওংননাংঙি, ফোংদোকপা ইওম্—ওমজদে । খুদোংচাদবা পূম্নমক অসি লৈবা মরম্মা শ্রীকৃষ্ণগা উনবা মতমদা লুওাই-জবা-হরাওজবা অতু হাঈনীংঙাই লৈতে, অওকপগী মশক্তি । যাম্না রানা হোৎনজনগা অপাম্বা পোৎ অতু ফংজনবদি য়াম্না লুংঙাই । "চৌবা পিরীতি হয়ে লাখগুণ বঙ্গ ।" অতুগা পয়ার অসিগী ব্যাখ্যা তৌবদা চক্রবর্ত্তীনা ইরা শ্রীব্রহ্মগীতি-চিন্ত মণি.' কৌবা লাইরিক্তা য়াওবা শ্লোক অমতংগা হাপচবি । মাতুদিঃ— সনৎ কুমার সংহিতা ইবি—
"যথাপ্রকট লীলাযাং পুরাণেষু প্রকীর্ত্তিতাঃ । তথা তে নিত্যলীলায়ং সন্তি বৃন্দাবনে ভুবি ॥
দাসাঃ সখায়ঃ পিতরো প্রেয়স্যোহস্য হরেরিহ । সর্ব্বে নিত্যা মুনিশ্রেষ্ঠা তত্তুল্যা গুণশালিন ॥"

গৌর-কৃপা-টীকা

হে অথোইবা মুনি! শ্রীকৃষ্ণগী প্রকট (অফোংবা) লীলাগী মরমদা পুরাণগা ইন্নিবা পূর্ম্মক অদু, নিত্যলীলা পূর্ম্মকতুসু শ্রীবৃন্দাবন লৈবাক্তা লৈবা চাক্কনি। মরম অদুনা শ্রীবৃন্দাবন অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী মনাইশিং, মরুপশিং, মপা-মমা অমসুং চান্নবী পূর্ম্মক নিত্যনি (অরেম্বনি) অমসুং শ্রীকৃষ্ণগা মান্ননা গুণ লৈবা ভাওনি।

শ্রীল শ্রীজীব গোস্বামী পাদগী ব্যাখ্যা অমতংগা থেক্চবি। শ্রীকৃষ্ণনা স্বকীয়াগী মফম ওইবা গোলোকগী ভৌম ব্রজদা হাঙ্গবদি হৌজিকী ভারতবর্ষগী মমুংদা লৈবিবা ব্রজ ধামদা অবতার তৌদুনা পরকীয় শান্নৈ, অপ্রকটকী মতমদা (থুপচিনখিবা মতমদা) গোলোক বিহারী শ্রীকৃষ্ণনা গোলোকতা লেংখ্রে হাঙ্গনা বর্ণন তৌই, তৌইগুম্বসুং ব্রজনাথ শ্রীকৃষ্ণগী মননদদি গোলোকতা চংখ্রে (লেংশিনখ্রে) হাঙ্গনা হাঙ্গবনদ্রে। মরম অসিনা ভৌম বৃন্দা হৌজিক লৈবিবা বজ বৃন্দাবন্দা প্রকট (অফোংবা) অমসুং অপ্রকট (ফোংদবা) মতম অনিমক্তা পরকীয় ভাব শান্নে। শ্রীজীব গোস্বামী পাদ ২১: প্রেঃ ভঃ ৬ঃ। ব্রজেন্দ্র নন্দন শ্রীকৃষ্ণনা বৃন্দাবন থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমদা লেংথোক্কে (চৎও) অপ্রকটকী মতমদা। মথাগী ব্যাখ্যা অসিনা শ্রীল শ্রীরাধা গোবিন্দনাথকা মতুং ইনবনি। প্রকট-লীলাগী মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী স্বকীয়া অদুনা পরকীয়া ভাব ওই, অদুগা অপ্রকট-লীলাদনা স্বকীয়া ভাব ওই, মাদুগী প্রমাণ যাম্না লৈ। দন্তবক্র হাৎপগী মতুংদা শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজদা অমুক হন্না পাখতমদা যোগমায়ানা লুহোংবগী মগমদা তৌখিবা থোরম পূর্ম্মক, মী পূনমক্তা দোক্রমী, মাহুদা খ্বাইনা খঙখি, শ্রীরাধিকানচিংবী গোপগী কন্যাশিং অসি মতম অদু ফাওবা লুহোংদমাদ্রে। মতম অদুদা শ্রীকৃষ্ণগা গোপ-কন্যাশিং অদুগা লুহোংখি। (গোপাল চম্পূ উ, চ, ৩২—৩৫ পূ,)। মাসিগী মতুংদগীদি শ্রীকৃষ্ণনা প্রকট বৃন্দাবন লীলা অন্তর্ধান ওইখরে (অচম্বা মী খ্বাই পূর্ম্মকতা উহনখিদরে) অমসুং শ্রীরাধিকানচিংবী গোপ-কন্যাশিংস্থু হাঙ্গখিবা লুহোংবা অদুগী রাখন্না স্বকীয়া ভাব চঙদুনা অপ্রকট লীলাদা চংখরে॥ মাসিনা তাক্লিবদি, গোলোক ধামদা অপ্রকট লীলাদা স্বকীয়া ভাব ওই—পরকীয়া ভাব নত্তে হাঙ্গবনি।

যোগমায়ানা পুথোকপা মতগী জন্ল অদুনা অতোপ-অতোপ্পা মী পূর্ম্মকতা মপুক্লিংদা খল্লী—অভিমন্যুনচিংবা গোপশিং অসি শ্রীরাধিকানচিংবী গোপীশিংগী পতিনি, করিগীনো হাঙ্গবদা মণোঙ্গনা খনখি অভিমন্যুনচিংবা শ্রীরাধানচিংবগা লুহোংলে, শ্রীকৃষ্ণদি মখোঙ্গ-গা লুহোংদ্রে অদুনা শ্রীকৃষ্ণদি মখোয়গী মবুংঙো নত্তে। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী অনাদি

গৌর-কৃপা টীকা

সিদ্ধ ওইরবা মুংশিনবগী মরম্না শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গী (গোপীশিংগী) পতি মবুংঙোন হাঙ্গনা পুক্লিংনা নীংঙি, শ্রীকৃষ্ণসু অহুম্না খল্লী। অহুম্না নীংনরিবা অসি মী অতৈনা খঙবা নত্তে। স্বকীয়া-পরকীয়াগী ভাব অসি নীংথিনা খঙননবগীদমক খুদম অমতং উচ্চরি। পুক্লিংদা রাখন তৌবিয়ু, মুপীমচা অমগা মুপামচা অমগা চহি য়ামগ্রিঙৈদা অঙাং ওইরিঙৈদা লুহোংখি।

মতম খরগী মতুংদা ইখঙ-খংহৌদনা খুদোংথাবা অমা লাক্তুনা মখোয় অনি কায়-নখরে। মতম খরা লৈরগা অরাপ্পদা কবিগুম্বা মকম অমদা পুকচেন চাওবা থোজাল হৈবা নীপা অমা থেংনহুনা নীপা মচা অহুবু মচাগী মতৌগুম্না য়োকপীখরে। মুপী মচা অহুসু মতম খর য়ানা কপ্তুনা লৈরম্লগা থংনবা খুন অমদা থোজাল হৈবা নীপা অমগী মযুমদা চংজকবদা মুংশিবিহুনা মচা মুপীগী মতৌগুম্না য়াম্না লুনা য়োকপীবে। চহি ৭/৮গী লোমগী মতুংদা মতুংদা ইখঙ-খঙহৌদনা নোংমা মখোয় অনি মকম অমদা উনরে। মতম অসি মখোয় অনিমক চহি মপুং ফাম্নবে। মখোয় অনি অমগা অমগা খঙনরক্লে—মমাংঙৈদা লুহোংখিবা ভাব অহু। তৌইগুম্বসুং মকম অহুদা লৈবিবা মী-শিং অহুনা, মখোয় অনিগী মমাংঙৈদা লুহোংখিবগী মরী লৈনথিবা অহুদি করিস্ত উহৌবা-খঙবা লৈতবনিনা মখোয় অনি ইমুং-মনুং অমতনি হায়বসি থাজবা ঙমদে। ফিবম অসিদা অতোপ্পা মীশিংবু চিংনবা লৈতনা মখোয অনিদি উনফম থোকই। কনাগুম্বা মী অমনা মখোয় অনিনা লোম্না উনবা অহু উকরগা করি খনগদগে হাঙ্গবদা মখোয অনি অসি উপপত্নী—উপপতি (মরুম্বা-মরথা) ওইনা য়ারী শারি-মাল্লে হাঙ্গনা খনগনি। মখোয় অনিগী থাঙ্গৈশেংবা অচুম্বা মরী লৈনবকনা অহু মখোযনা কনাদসু ফোংদোকপা (হাঙ্গ-দোকপা) ঙম্লোই, কবিগীনে। হাঙ্গবদা, মখোযনা লুহোংখিবগী য়া অহু মকম ঙহুগী মীনা খঙদে, লুহোংখিবগী করিগুম্বা প্রমাণ অমতসু পীবা ঙম্লোই, মরম অসিনা মখোয় অনিগী য়াবু কনানা থাজবিগনগে। প্রকট লীলাদা শ্রীকৃষ্ণ অমসুং গোপীশিংগী ফিবমসু অহুগুম্ব-নি। শ্রীরাধা গোবিন্দ অনিনা করিগুম্বা মতমদা লুহোংখিবা লৈখববসু কনাগুম্বা ব্রজ-বাসীশিংনা খঙবা লৈতে। শ্রীরাধা-গোবিন্দদি অনাদি কালদগী মরী লৈনরকপনা অমগা অমগা চিংশিন্নহুনা উনৈ। কনাগুম্বনা মখোয়না উনবগী য়াবী অহু তারগনা মপুক্লিংগা উপপতি-উপপত্নী ওইনা অমগা অমগা উনম্নে হাঙ্গনা নীংঙি।

গৌর-কৃপা টীকা

মথাগী অসি মখেনা "সাধক কন্ঠহার" কৌবা লাইরিক্তা য়াওবা শ্রীগুরুদেব নরোত্তম ঠাকুর মহাশয়গী মতুংইনবনি। ব্রজগী মৌশিংনা (শাগৈগী মৌশিংনা) মখোয় মশাবু শ্রীকৃষ্ণগী পরকীয়ানি (লোম্না চান্নবীনি) হাঙ্গৈনা মপুক্লিংনা নীংঙি অমসুং শ্রীকৃষ্ণসু মহাক মশামক্কী নিত্যকান্তাশিংবু (অয়েম্বা চান্নবীশিংবু) হাথন শেরান্ননা, অতোপ্পা মবুংঙো (পতি) অমমম লৈ হাঙ্গৈনা খনখিজ্জনা মশামকপু চান্নবীশিং অদুগী লোম্না চান্নবা মবুংঙোনি (পতিনি) হাঙ্গৈনা খল্লি হাঙ্গৈবদি উপপতিনি হাঙ্গৈনা লান্না (শেবান্ননা) নীংঙি। শ্রীব্রজদেবীশিংদি মুংঙাইবগী মপং ওইবা শ্রীকৃষ্ণ-চন্দ্রগী হলাদিনী শক্তিনি। মখোঙ্গৈনা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী ওইরবসু, অয়ানববু (ওইথোক্তববু) অচুম্বনি হাঙ্গৈনা নীংহনবা ওত্না যোগ-মায়াগী শক্তিনা (প্রভাবনা) নিত্য পরকীয়াগী মুপীনি হাঙ্গৈনা নীংঙি অমসুং শ্রীকৃষ্ণসু ইচম-চম্না চিংনবা লৈত্তনা ব্রজদেবীশিংগী উপপতিনি (লোম্না চান্নবা মবুংঙোনি) হাঙ্গৈনা নীংঙি। ব্রজদেবীশিংনা শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা কৈদৌঙদসু অতোপ্পা নীপা অমদা নমিংনা য়েংজদে অমসুং মখোঙ্গৈগী পতি (মবুংঙো) নি হাঙ্গৈনা নীংলিবা মখোয় অদুনসু মখোয়গী ব্রজদেবীশিংগী মমি কাওবা উজবা ফংজদে, মতৌ অসুম্না যোগমায়ানা অঙকপা থৌরম, চীপ্পা হাঙ্গৈদোকফম খঙদবা শক্তি ফোংদোকই, তঙকপা শক্তি অসিনা, শ্রীকৃষ্ণগী নিত্য প্রেয়শিং (অবেপ্পা চান্নবীশিং) না মখোঙ্গৈগা নবী ইপল-লৈনত্রবা অদুম ওইনা নাপাশিংদা মবুংঙো (পতি) নি নীংহল্লগা অশেংবা নবুংঙো (স্বকীয় পতি শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রদনা উপপতি (লোম্না চান্নবা মবুংঙো) নি হাঙ্গৈনা শেরান্ননা নাংহল্লা। অদুনা শ্রীকৃষ্ণ নওবা অতোপ্পা নীপাদা পতি (মবুংঙো) ওই হাঙ্গৈনা খঙলবসু মখোয়গী সতী ওইবগী ধর্ম্ম অদুদি মাঙবা লৈতে অমসুং শ্রীকৃষ্ণসু পরদার (অতোপ্পা মুপী) যেংঙবগী দোষ চঙবা লৈতে। ব্রজগী শাগৈগী মৌশিংনা যোগমায়াগী শক্তিনা মশা মশাবু অতোপ্পা গোপশিংগী মুপীনি হাঙ্গৈনা নীংঙী অমসুং মখোয়গী নকুপ-মপাংশিংসু শ্রীকৃষ্ণসু অদুম হাঙ্গৈনা খঙঙী। মবম অদুনা শ্রীকৃষ্ণ দর্শণ তৌবদা শাগৈগী ধর্ম্ম মাঙলে হাঙ্গৈনা নীংনৈ অমসুং শ্রীকৃষ্ণ মশামকসু অতোপ্পগী মুপীগা লোঙ্গৈনবে হাঙ্গৈনা নপুক্লিংনা খল্লী। অসুম হাঙ্গৈনা শেম্নান্ননা খনবা পুম্নমক অসি, অনাদি কালদগী অসুম লোতুনা লৈরক্লবনি, অসুম ওইবা শ্রীযোগমায়ানা শেম্বা অয়ানবা থৌরম অসি অপঙবা মীগী থৌরম নত্তে শ্রীবৃন্দাবন্দা যোগ-মায়াগী থৌরম অসিদগী মুংঙাইবগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা নিনি-নিতিগী অনৌ-অনৌবা মুংঙাইবা য়াম্না ফংলি। মবম অসিনা অবানবা ভ্রম অসিসু সচ্চিদানন্দময়—চিৎশক্তিগী থৌরম্নি। হাঙ্গৈজগ্রিবা পুম্নমক অসি বিপ্রলম্ভরসনি, শৃঙ্গার রসকী মখৌ শ রনে।

আমিহ না জানি তাহা—না জানে গোপীগণ।
দোঁহার রূপ-গুণে দোঁহার নিত্য হরে মন॥২৭
ধর্ম্ম ছাড়ি রাগে দোঁহে করয়ে মিলন।
কভু মিলে, কভু না মিলে,—দৈবের ঘটন॥২৮

অর্থ:—

ঐহাকসু খঙদে মাহ—গোপীশিংসু খঙদে।
অনিগী রূপ গুণা পুক্নিং শুমহৎতবা ঙমদে॥২৭
ধর্ম্ম থাদোক্লগা রাগতনা উনৈ অনিহু।
লাইনোংদম্বা উনদবা, উনবা লৈ অনিহু॥২৮

গৌর-কৃপা টীকা

২৭। ঐহাকসু—শ্রীকৃষ্ণসু। মাহ—যোগ মাযানা, শ্রীকৃষ্ণগী নিত্য স্বকান্তা (অশেংবা চান্নবী) গোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু লোল্লা চান্নবা ইবুংঙোনি (উপপতি) হাঙ্গীনা খনহনবা ভাব অহু। যোগ মায়গী অঙকপা শক্তিনা, ব্রজদেবীশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু তশেংবা মনুংঙোনি হঙ্গীন নীংজবা অহু কাউহনা উপপতিনি হাঙ্গীনা খল্লকইবা ভাব অহু (শ্রীকৃষ্ণসু খঙদে, গোপীশিংনসু খঙদে)। শ্রীকৃষ্ণনা অচৎ-চৎবা পুম্নমক্কা ভাব খংবা ঙম্মসু যোগ মাযাগী থৌরম অসি খঙদে। শাস্ত্র পুম্নমক্কী মপু ওইরিবা শ্রীরাধা-গোবিন্দনু যোগ-মাযানা শুমহৎপা ঙম্লিবা অসিনা, কন্নি খঙনগদগে হাঙ্গীবদা ইবু ঙো-ইবেংনা যেগ মাযাবু চানবিবে নুংশিবিরে হাঙ্গীবা ওাকপনি। মী ওইবগী লীলাগী রস ম র্ষ্যা (ফজবা) অসি লেঙদনা মন্নেং তাদনা থমগে হাঙ্গীনা নাংহনা শ্রীকৃষ্ণনা যোগমায়াদা ইঙ্গিত ভোহনা শুমহৎ-হনবনি; প্রেমগী হৌনবী স্বভাবতি অসিনি শ্রীকৃষ্ণনবু যোগমাযানা শুমহৎপা অসিবু য়াবিত্রবদি মীওইবগী লীলাসু মপে মাংেই। অনিগী—শ্রীকৃষ্ণ অমসুং গোপীশিংগী। পুক্নিং শুমহৎতবা ঙমদে—শুমহৎলি, পুক্নিংবু হুবানা। মখায়গী রূপ গুণগী মাধুর্য, অসি অসুক্কী মতিক ঙকথন্নে, লিশিং লিশিংলক হন্না রস চুপ্পবসু পেনবা য়াতে, ঙা-হেন্না থৌরাংবা হেন্নকই। য়োংচাবী মচেং অনি অহু লৈখোম তৈশিন্নবসু চিংশিন্নবগী শক্তি অহু মঙদে, অহুশুমহনা যোগমাযানা শ্রীকৃষ্ণগা গোপীশগা, মথক্লগী মরী লৈনবকপা অহু—কাউহন্নবসু অনিগী রূপ-গুণ তাবদগী অমসুং উনবদগী পুক্নিং শুমহৎলা।

২৮। শ্রীরাধিকানা শ্রীকৃষ্ণগী মকমদা লোন্না চান্নবা (উপপতি) ভাবকী মতৌ মওং হাঙ্গজরি। অমগা অমগা নুংশিবা অসিনা অহুম অহুম হেনগংলক্তনা কবি মওং ওইবক্লবগে

গৌর-কৃপা টীকা

হাঙ্গবদা বেদধর্ম্ম, মীগী ধর্ম্ম যুমগী ধর্ম্মনচিংবা পুম্নমকপু থাদোক্লুনা অনুরাগ-তনা (মুংশিবগী রাখনতনা) উনৈ, লোঙ্গনৈ। তৌইগুম্বস্তুং লোঙ্গনবা ফংলিবা অদু মতম লৈবা খিবিক্তা পুক্লিংনা নীংবা মতুংইন্না ফংবা নত্তে; করিগুম্বা কান্দা উনবা ফংঙি করিগুম্বা কান্দা ফংদে, যাম্না কন্না হোৎনরবসু উনবা ফংদব রাওরকপা মতমদা মখোয় অনিগী থৌরাংবা অদু যাম্না হেনগৎলকই, মাতুদা ইখঙ-খঙহৌদনা লাইগী নোংদমদগী উনবা থোক্লবদি মাতুদগী মুংঙাইবা অমা পেক্লকপা অদু অঙকপগী মশক্তি, চীন্না শিংথাবা ঙম্বা নত্তে। উপপতিগী ভাব অসিনা উনগদবগী কন্না হোৎনরবসু মনেম-মকুনচিংবনা করি করিগুম্বা মতমদা যৈথাই-থিনগাইবা লাকই, মাতুনা রাধা-গোবিন্দ অনিবু উনজবা ঙমহন্দে। ধর্ম্ম—বেদধর্ম্ম, মীগী ধর্ম্ম, যুমগী ধর্ম্ম। রাগতনা শ্রীকৃষ্ণ অমস্তুং গোপীশিংনা অমগা অমগা মখোয়গী মুংশিনবগী ভাব-তনা; মফম অসিদা রাগ—শব্দনা অনুরাগগী অরোইবা থমথেংবা মহাভাবপু খঙনৈ। মপমদি—মীগী ধর্ম্ম—যুমধর্ম্মনচিংবগী—মাইকৈদা করিসু ইথন—থন্দনা মখোয় অমগা অমগা উননবগীদমক হোৎনবা অসি মহাভাবকী পুরশ্চরণ-চেননতনা তৌই (মধ্যলীলাগী মতাং ২৩ দা য়েংবিয়)।

মুমিং যংবদা শ্রীরাধাকুণ্ডনা, ওহিং তংবদনা নিকুঞ্জ-মন্দিরনচিংবদা রাধা-কৃষ্ণ উনৈ হাঙ্গবগী খুদম লীলাগী লাইবিক্লচিংবদা য়াওই। উননবগীদমক কন্না হোৎনবনসু উনবা ফংদবগী খুদম অমতং মফম অসিদা উচ্চরি।

"সঙ্কেতীকৃত—কোকিলাদিনিনদং কংশদ্বিষঃ কুর্ব্বতো দ্বারোন্মচন-লোল-শঙ্খ-বলয়-ক্বাণং মুহুঃ শৃণ্বতঃ। কেয়ং কেয়মিতি প্রগলভ জরতী—বাক্যেন দূনাত্মনো রাধা প্রাঙ্গণ-কোণ—কোলিবিটপি—ক্রোড়ে গতা শর্ব্বরী॥ পদ্যাবলী, ২০৩॥ বৃন্দানা পৌর্ণমাসীদা হায়বা বাহৈনি, দেবী। শ্রীকৃষ্ণনা নোংমা অহিংদা শ্রীমতীগী শুমাংগী চিথেলা হৌবা পোরোই পাম্বীগী মখাওদা লৈরগা কোকিলগী খোঞ্জেন মান্না শীবাথ'দা সঙ্কেত তৌই। মাতু তাবদা শ্রীরাধানা হৌগংতুনা থোং হাংদোক্কে তৌবদা, ইবেম্মগী খুৎতা শিরিনা খুজী মরাম অতুনা পাম্বোম হাইবদা অমগা অমগা থেংনতুনা ক্রিং ক্রিং লাউনা মখোন হৌবতু মপান্দা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণনা তাবদা যায়া মুংঙাইজে, অতুগা পুঙ্গিগী খোঞ্জেন অতুনা, শ্রীরাধানা লৈরিবা কা অতুগা থংনবা কা অমদা তুমতুনা লৈরিবী জটিলাসু তারতুনা মিকপ থোক্লক্লনা কনানো কন'নো (কেত্র-কেত্র) হাঙ্গতুনা লাউরক্লে, মাতুদা ইবেম্মগী অমস্তুং ইবুংঙোগী থমোই শাঙ্গথরে। অতুদগী ঙাইহাক অমুক লৈরগা জটিলা তুমখিবা মতম ওইরে হাঙ্গনা খন্দুনা শ্রীকৃষ্ণনা অমুক হন্না সঙ্কেত তৌরক্লে, মাতু তাবদা শ্রীরাধানা থোঙ হাংদোক্কে

গৌর-কৃপা টীকা

তৌবদা জটিলানা তুম্মদহুনা খুজি মখোন অদু তাম্মহুনা হান্নদৌনা কনানো হাঈনা লাউরক্লে। খুদক অতুমক্তদা মখোন অনিমক তুমিন-তুমিন্না লৈনখবে। আঃ! কয়াদা ৱানা মতৌ অন্নম তৌহুনা অহিংচুম্না পোরোই মখোঙদা শ্রীকৃষ্ণনা লেপ্লে, তৌইগুম্বদে, শ্রীরাধাগা লোঈননা উনবদি অহিং অতুদা কংখিদবে।

লাইগী নোংদম হাঈবসি নহালমুক্কী মপোক্কী বর্ম্মফলবু খঙনৈ। শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা উনদবদি নহালমুক্কা মপোক্কী কর্ম্মফল নাত্তে; মবনদি, মখোবদি নিত্যানি, মখোয়দি পোকপা লৈতে (পোক্কে): জীবগী মতৌগুম্বা মখোয়গী বর্ম্মসু লৈতে। যায় খেবা লগা, উনবা মতমদা অঙকপা ফংনা লুংঙাইবা হেন্নী হাঈহুনা যোগমায়ানা কবি কবিগুনা ...মদা শ্রীরাধা-গোবিন্দ অনি উনবদা অপনবা, যৈথাইবা থোকহল্লী।

অপ্রকটলীলাদগী প্রকটলীলানা কবি করি অহেনবা লৈবগে হাঈবা অদু পয়ার ২৬—২৮ দা শমুপ্না হাঈজরে। থাক্কিশেংবদি, বাৎসল্য, সখ্য অমসুং দাস্য-ভাবকী লীলাদসু প্রকট (অফোবা) লীলাদা অংকৃপা অহেনবা লৈ। অপ্রকট-গোলোক-লীলাদা শ্রীকৃষ্ণদি নিত্য কিশোরনি। (চহি ১৫।৯।৭ মুনিংনি)। মচা অহুনা চহি মপুং ফাবকপগী (চাউববগী) মতমদদি মমা-মপানা মচাদা লুংশিবা অদু অঙাং ওইরিঙৈদা লুংশিবদৌনা য়াম্না লুংশিদবে, লুংশিবা অদু খজিকমক মলুংশিবে, গোলোক লীলাদা শ্রীনন্দ-যশোদানা বাৎসল্য প্রেম অদু খজিকমক ফোংদোকে। গোলোকতদি পোবপগী লীলা লৈতে, (শ্রীকৃষ্ণদি অপোকপা নাত্তে), ...মম অহুনা পোক্কৃবনিনা অঙাংগী লীলা অমসুং পৌগণ্ড লীলা (চহি ৫ ১০ কাওবা পৌগণ্ড) লৈতে— অঙাং য়োকপা মতমদা অঙাংনা মপুক্কিংগী ভাব কেংদোকপা হকচানা ভঙ্গী লৌবা উবা, মাগী মচিনগী রা তংথাই ঙাংবা তাবা, "মা—বা" কৌবা তাবা, অঙাংগী শান্নবনচিবা অমতৃতগী মশক ওইবা লীলা অদু অপ্রকট গোলোক-লীলাদা লৈতে। প্রকট বৃন্দাবনদা শান্নখিবা লীলা পুন্নমক অদু শ্রীকৃষ্ণবু মচানি হাঈনা নাংজবা ভক্তশিংবু নীংবা থুংহল্ল ... মশানসু অঙকপা বাৎসল্যরস অদু চুপখি। প্রেম লৈদা ভক্তগী মফমদা মপুং ফানা প্রেম পাঁশিনী। অহুগা ইবুংঙোনদু প্রেম অদু মপুংফনা থকই। অঙাং যোকপগী অরুবা অদু মমা-মপানা চপচানা দাবী পুই; মচা অহুনা চাউনবদি কিশোর ওইরবদি অদুক য়াম্না রাদবে; মাগী লনাই লুংঙাইজবা থীবগী উপায়সু লৈবক্লে। প্রকট লীলাদা রহস্য বসতা অঙকপা

এই সব রসনির্য্যাস করিব আস্বাদ।
এই দ্বারে করিব সর্ব্ব ভক্তের প্রসাদ ॥২৯

অর্থ :—

লীলা পূম্নমক্কী রসকী মহাও লৌগনি।
মাতুগী মরমদা ভক্তদা থৌজানবিগনি ॥২৯

গৌর-কৃপা টীকা

লৈ। মযুমদগী অমসুং মীগী মযুমদগী ক্ষীর (শংগোম ঙৌবদা কুংসিন্নকপা লৈখোমজৌনা তৌবা অতুবু ক্ষীর কৌই; চেংগা শংগোমগা তিন্নবগা থোংবা অতুনা পায়স কৌই।), মাখন হুবা, মমান্নবগা তিন্নবগা যন্নাও মচাগী মমৈ চিংবা, যুমদা পুন্দুনা থম্মিবা বণবু থাদোকপা, যন্নাও-মচা শেনবা লীলা পূম্নমক অসি অপ্রকট গোলোকতা লৈতে, প্রকট-বৃন্দাবনদা লৈ। প্রকট-বৃন্দাবনদা পৌগণ্ড লীলা য়াম্না চংখোম্না শান্নৈ। অদু কৃষ্ণবু সেবা তৌবগী লীলা অপ্রকটতা লৈতে, প্রকট বৃন্দাবনদদি দাস্যরসনা ফজনা ফোংদোকই। মতৌ অসুম তৌদুনা ভাব মবিগী লীলা অসি—অপ্রকটতগী প্রকটলীলাদা তাঙকপা ফংনা নিংথিজনা শান্নৈ।

২৯। মথক্কী পয়ার ১৪ শুবদা হাঙৈম্মিন্না "প্রেম রসকী মহাও চাগে হাঙৈনা নীংদুনা" হায়বগী ভাব লোইশিনজবে। শ্রীকৃষ্ণনা হাঙৈখি "অপ্রকট ধামদা (লাইবৈবাক্তা) শান্নবা লীলা পূম্নমক অদু, ব্রহ্মাণ্ডদা পৃথিবীদা মীওইবগী লৈবাক্তা অবতীর্ণ ওইরগা সাইংলগা) লীলা পূম্নমক পুথোকদুনা দাস্য (মনাই), সখ্য (মরূপ মমংম্নবা) বাৎসল্য (মচাদা নুংশিবা) অমসুং মধুর (অথুম্বা) রসকী শিংথাবা-ঙমদবা-অঙকপা মহাও লৌগনি (চাগনি) অমসুং মাতুগী মরমদা ভক্ত পূম্নমক্কী মফমদা থৌজাল হৈবা ফোংদোকনি।"

লীলা পূম্নমক্কী রসকী মহাও—মথক্তা হায়রিবা লীলা রসকী মচি ওইবা শরুক। মাতুগী মরমদা—মশানা ভক্তগী প্রেমরসকী মহাও লৌবগী মরমদা। ভক্তদা থৌজানবিগনি—ভক্ত পূম্নমক্কী মফমদা চানবিগনি। ব্রহ্মাণ্ডদা অবতীর্ণ তৌরগা শ্রীকৃষ্ণনা লীলা পূম্নমক শান্নবা অদুদা মহাক্কী মন্নুংচনবা (পারিকর) ভক্তশিং, প্রেম লৈবা ভক্তশিং, সাধক ভক্তশিং অমসুং ভজন পাম্বা ভক্তশিং মখল পূম্নমক্কী ভক্তশিংনা তুংইনগনি অমসুং

গৌর-কৃপা টীকা

মনিং থুংজগনি। অপ্রকট (ফোংদোকবা) গোলোকা শন্দোকখিদবা (শান্নখিদবা) লীলা পূর্ণমক অহু, ব্রহ্মাণ্ডদা পথিবীদা পূর্ণমক অহু পুখোক্লনা—দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর রসগী অঙকপা পুখোক্লনা মনাই, মরুপ, মমা-মপা অমসুং কান্তাশিংবু (চান্নবীশিংবু) অঙকপা রসকী মহাও চুপহন্দুনা মুংঙাইহনগনি। প্রেম লৈবা ভক্ত পূর্ণমকপু মাগী মাগী মশাগী হোৎনজবা, (সাধন) অহুনা মপুংফাবা, নিত্য-লীলাদা চংহনগে হাঙবগীদমক, ভক্ত বৎসল (ভক্তবু মুংশিবিবা) শ্রীকৃষ্ণনা প্রকট লীলা শান্নরিবা মকম অহুদা আহিরী (বণ শেনবা) গোপগী যুমদা পোকহনবি, মতম অহুদা নিত্যসিদ্ধ ওইরবা পরিকর (লোই-নবশিং) গা লোয়ননা লীলা য়াওজবা চংজবা ফংহুনা শ্রীকৃষ্ণনা পুখোক্লিবা প্রকট লীলাদা মখোয়না নীংবা থুংডি। প্রকট-লীলাদা য়াওবগা সাধনসিদ্ধ ভক্তশিং অহু নিত্য লীলাদা চংডি। মতৌ অসুম তৌহুনা প্রকট লীলা অসি প্রেম লৈবা ভক্তশিংগীসু নীংবা থুংনন-বগী মরম ওই। ব্রহ্মাণ্ডদা অবতীর্ণ ওইরগা শ্রীকৃষ্ণনা পুথে কপা লীলা পূর্ণমক অহু, সাধক (লাইনীংবা) ভক্তশিংনা মপুক্লিংনা লীলা পূর্ণমক অহু নীংশিংজরগা সিদ্ধিগী মাই-কৈদা চংসিন্নকই, শ্রীকৃষ্ণনা ব্রহ্মাণ্ডদা অবতীর্ণ ওইরগা মবাইবক ফবা সাধক-ভক্তশিংবু উহনবিরগা (দর্শণ পীনরগা) পুন্সিগী লেংদনা লন ফংহল্লী। মরম অসিন প্রকট লীলা অসি সাধক ভক্তশিংগীসু নীংজবা থুংননবগী মরম ওই। মতুনা কনা কনাগুম্বা মীশিংনা লাই নীংবদি পামজবগা, মতৌ করম্বা নীংলগা, অচুম্বা লাইনীং লম্বেন্দা চৎপা ওইগদগে হাংবতুদি থঙজদহুনা, লম্‌নকুহুনা লৈরগা, অহুম ওইবা মীশিং অহুনা, শ্রীকৃষ্ণগী ফোংদোক্লা শান্নবা (প্রকট) লীলাগী রারী চাংদম্নীংচাই লৈতনা ফজবা মাধুর্য্য ওইবা অহু শস্ত্রনচিংব-দগী নত্রগা মহাজন বৈষ্ণবশিংগী মচিংদগী তাজবগা খঙনক্লনা এতোপ্পা লম্বী পূর্ণমক থাদোকলনা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য ওইবা ব্রজলীলাগী লম্বিদা তুং ইন্দুনা পুক্লিং অমতা ওইনা চঙশিন্নকই। মতৌ অহুম তৌবা অসিদগী প্রকট লীলা অসি শ্রীকৃষ্ণবু নীংজনীংবা ভক্ত শিংগীদি পুন্সিগী লল অশেংবা ওইহ্রি। অহুগা সংসারগী মায়াদা তাউহুনা লৈরিবা মীশিংনা, শ্রীকৃষ্ণগী প্রকট লীলাগী অঙকপা রস এম্বাম অহু তাজবগা রাগানুগাগী লম্বেন্দা চংসিন্দুনা শ্রীকৃষ্ণবু নীংজবা হৌই, মরম অসিনা প্রকট লীলা অসিনা থুনপানবাশিংগী মফমদসু ভগবান্না উমথৈ লৈতনা থৌজানবি হাঙবা অহু ফোংদোকই।

থাঙ্গেশেংবদি ভক্তবু মুংশিবিবা (ভক্তবৎসল) শ্রীকৃষ্ণনা শান্নরিবা লীলা খুদিংমকী মরু ওইবা মরমদি ভক্তগী পুক্লিং পেলহন্নবা ঙাক্তা ওই, মবমদি, ভক্তশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী মুংঙাইনবা তৌবা নত্তনা অতৈ করি অমতা খঙবা লৈতে, শ্রীকৃষ্ণসু ভক্তগী মুংঙাইনবা তৌবা নত্তনা অতৈ করি অমতা খঙবা লৈতে।১।৪।৯ পয়ার টীকাগী মনৈদা য়েংসিয়ু।

ব্রজের নির্ম্মল রাগ শুনি ভক্তগণ।
রাগমার্গে ভজে যেন ছাড়ি ধর্ম্ম-কর্ম্ম ॥ ৩০

অর্থ :—

ব্রজগী অশেংবা প্রেম্ন্ ভক্তশিংনা তারগা ।
রাগভক্তিদা নীংনৈ ধর্ম্ম কর্ম্ম থাদোক্লগা ॥ ৩০

গৌর কৃপা টীকা

৩০ । ফোংদোক্লা শান্নবা লীলাদা মতৌ করম তৌনা রাগ ভক্তি শন্দোকপগে হাঙ্গৈবত্থ্ শীংথাজরি । ব্রহ্মাণ্ডদা অবতীর্ণ ওইরগা শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী মনাই—মরুপ—মপা-মমা—চান্নবীশিং পূম্নমক্কা লোঙ্গৈনা লীলা ময়াম শান্নবা অত্থুদা, শ্রীকৃষ্ণগী লোঙ্গৈনবশিংনা মশাগী নুংঙাইনবা য়েংদত্থুনা কৃষ্ণগী নুংঙাইনবতা খন্‌বা প্রেমগী রা অত্থু তারগা, প্রেম অত্থুনা শ্রীকৃষ্ণবু খুত্থুম চন্‌বা ঙম্বগী শক্তি লৈবগী রা তারগা, অমস্থুং লোঙ্গৈনবশিং অত্থুনা প্রেম-সেবা তৌজবদা হাঙ্গৈনীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফংজবগী রারী তারগা—সংসারগী নুংঙাইবা পূম্নমক, অসি, করিস্থু কান্নদবনি (অচম্বনি) হাঙ্গৈবা খণ্ডলক্তুনা ধর্ম্ম—কর্ম্ম পূম্নমক থাদোক্তুনা ভক্তশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজগী লোঙ্গৈনবশিংগী মতুং ইন্দুনা রাগানুগা ভজন তৌই (নীংনৈ) । মতৌ অস্থুম তৌত্থুনা প্রকট লীলানা জগংতা রাগ-মার্গগী ভক্তি শন্দোক্ই ।

ব্রজগী—ফোংদোক্লা শান্নবা ব্রজলীলাগী; মনাই—মরুপ—মমা মপা—চান্নবীশিংনচিংবা শ্রীকৃষ্ণগী লোঙ্গৈনবশিংগী । অশেংবা প্রেম—লূরবা রাগ, ঐশ্বর্য্য জ্ঞান চঙদ্রবা শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইনবত: নীংথ্রবা প্রেম । তা-রগা—শাস্ত্রদা ইবা নত্রগা মহাজনশিংনা হাঙ্গৈবা তারগা । ভক্তশিংনা—শাস্ত্রগী রা থাজবা ভক্তশিংনা । রাগভক্তি—রাগমার্গ ; ব্রজগী লোঙ্গৈনবশিংগী মতুং ইনবা সাধনগী লম্বী । ধর্ম্ম—বর্ণাশ্রম ধর্ম্ম ; বেদ ধর্ম্ম, মীগী ধর্ম্ম অসিনচিংবা ।

মথক্কী পয়ারদা "ভক্তশিংদা থৌজানবিগনি হাঙ্গৈখ্রে" । অত্থুগা অমুক পয়ার অসিদা হাঙ্গৈরি—"ভক্তশিংনা রাগভক্তিদা নীংনৈ" । পয়ার অনি অসিদা ভক্তগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণনা থৌজান্‌বিবগী রা হাঙ্গৈরি; অত্থু ওইরবদি ভক্ত নত্তবগী মফমদদি থৌজানবিদ্রবরা ? থৌজানবিদ্রবদি মীচং-মীথাই নাইবগী দোষ পুরোইদ্রা ? পাওখুম—মত্থুদা শ্রীকৃষ্ণনা মীচংমীথাই-নাইবগী থৌরম ফোংদোক্কে । নুমিংনা মতম পূম্নমক্তা মঙান চপ মান্ননা য়েনবি ; কনাগুম্বা অমনা নুংশা লৈবা মফমদা লৈরুরবদি নুংশা ফংঙি, অত্থুগা ইগুংদা চংত্থুনা লৈথ্রবদি নুংশা ফংদ ; ফিবম অনি অসি মান্নদ্রবস্থু মাসিদা নুমিংনা মীচং-মীথাই নাইবগী

তথাহি—(ভা ১০।৩৩।৩৬)—
অনুগ্রহায় ভক্তানাং মানুষং দেহমাশ্রিতঃ।
ভজতে তাদৃশীঃ ক্রীড়া যাঃ শ্রুত্বা তৎপরো ভবেৎ ॥ ৪

গৌর-কৃপা টীকা

ভাব ফোংদোক্কে , অত্থুগা কল্পবৃক্ষনা খ্বাইদা চপ মান্নন। কৃপা পীবি, অত্থু ওইববস্থু মাবু সেবা তৌবা মীদা সেবাগী মহৈ ফংঙি, সেবা তৌদ্রবদি মহৈ ফংফম থোক্কে। মতৌ অত্থুগুম্না মী অত্থুনা ভগবান্দা সেবা তৌবিবা মাত্থুগুম্না ভগবান্না মী অত্থুদা সেবাগী মহৈ পীবি। "ন ব্রাহ্মণঃ স্বপরভেদ—মতিস্তব স্যাৎ সর্ব্বাত্মনঃ সমদৃশঃ স্বসুখা নুভূতেঃ। সংসেবতাং সুরত রোরিব তেপ্রসাদঃ সেবানুরূপ মুদয়ো ন বিপর্যয়োহত্র ॥ শ্রীভা ১০। ৭২। ৬ ॥ সেবা তৌজবিবা মীশিং অত্থুগী মনুংদা কনাগুম্বা অমদনা কৃপা তৌবিত্থুনা মহৈ পীবিবগা হাঙ্গৈবদি থৌজান-বিবগা কনাগুম্বা অমদনা থৌজানবিদ্রবদি মীচং-মীথা নাইবা ফোংদোক্কে হাযবা যাই।

অথোংপা লৈবাক্তা মক থাবগা মযোন চোংবা ওম্মী, তৌইগুম্বস্থুং নুংদা মক্ক থাববদি মযোন চোংবা ওমদে, মতৌ অস্দিদা মক্ক অত্থুনা মীচং-মীথায নাইবা ফো দোক্কে, যোংচাবীনা যোংপু চিংঙি, তৌইগুম্বস্থু 'উ'বৃদি চিংদে, মাত্থুদা যোংচাবীনা মীচং মীথায নাইবগী ভাব ফো দোকপা নত্তে। অত্থুগুমত্থুনা ভক্তশিংগী অথোংপা থমোইদা ভগবানগী কৃপা ফোংদোকই, অত্থুগা সংসাবগী মাযানা চূশিন্দুনা লৈববা মী অত্থুগী অকনবা থমোই অত্থুদদি ভগবানগী কৃপা ফোংদোক্কে, মাসি মীচং-মীথা নাইবায নত্তে। অমবু "ইরবস্থ অমবু ওইববস্থ ভক্তগী থমোইদি ভক্তিগী গুম্না থোংপা মবম্না ভগবৎ-কৃপানা ভক্তশিংনা ভগবল্লীলাগী ৱাবী থমোইদা তূংবা ওম্মী, ভক্ত নত্তবা মীদি মখোইগী থমোই কনবা মবম্না ভগবল্লীলাগী ৱাবী মখোইগী থমোইদা তূংবা ওমদে, মবম অত্থুনা মখোইনা ভগবানবু নীংনীংদে।

শ্লো। ৪। অন্বয়। ভগবান্। (ভগবান্) ভক্তানা (ভক্তশিংগী মফমদা) অনুগ্রহায (থৌজানবিগে হাঙ্গৈবগীদমক) তাদৃশীঃ (অত্থুম ওইবা—থমোই পুম্নমকপু শুমহংপা) ক্রীড়াঃ (লীলা) ভজতে (মুংঙাইবগা লোইননা পাঙথোকই), যাঃ (লীলা পুম্নমক অত্থু—লীলাগী ৱাবী) শ্রুত্বা (তাবগা) মানুষং দেহং (মীওইবগী হকচাংদা) আশ্রিতঃ (চংজবিবা-জীবনা অমদি মীওইবগী হকচাং ওইত্থুনা) তৎপরঃ (ভগবৎতা মায ওনসিনবা অমদি লীলাগী ৱাবী তাবদা পুক্নিংচঙবা) ভবেৎ (ওইগনি)।

গোৰ-কৃপ'-টীকা

অমুবাদ। ভক্ত পুন্নমক্কী মফমদা থৌজানবিগে হাঙবগীদমক শ্রীভগবান্না, পুন্নমক্কী থমোই শুমহৎপা ওম্বা লীলা, মুংঙাইবগা লোঙনবা পাওথোকই (শান্নে), মাতুগী ৱাৱী অদু ভক্তশিংগী মচীন্দগী তারগা মীওইবগী হকচাংদা লৈবিবা জীবনা ভগবৎতা মাই ওনসিনগনি। ৪।

আতোপ্পা অমদি ঃ—ভক্ত পুন্নমক্কা থৌজানবিবা অসি ফোংদোকে হাঙবগীদমক শ্রীভগবান্না মীওইবগী হকচা' ওইনা ফোংদোকুনা মী পুন্নমক্কী থমোই শুমহৎপা ওম্বা লীলা মুংঙাইনা শান্নে, মাতুগী ৱাৱী তারগা জীবনা লীলাগী ৱাৱীদা (ভগবান্দা) মাই ওনসিলগনি। ৭।

মহারাজ পরীক্ষিতনা বাসলীলা তারবা মতুংদা শ্রীশুকদেবদা হংলম্মী—মাতুদি, শ্রীকৃষ্ণনা মশা মতোমতনা মুংঙাইজবা ওন্নগা কবিগী লীলা শান্ননীংঙিবনো? শ্রীশুকদেবনা ওন্নগমু লীলা শান্ননীংলিবসিগী মৱমদি—ভক্তশিংদা থৌজানবিবা অদু ফোংদোকে হাঙবগীদমক্কি। মফম অসিদা "ভক্ত" হাঙবা অসি ব্রজদেবীশিংবুনি, অদুগা আতোপ-অতোপ্পা ব্রজগী মীশিং অমসুং ভূত-ভবিষ্যৎ-বর্ত্তমান (হৌখিবা—ৎইরক্কদবা—হৌজিক ৎইরিবা মতম অদুমগী বৈষ্ণব-শিংবুসু খঙনৈ, মখোঙ পুন্নমব অসিগী মফমদা থৌজানবিগ হাঙবগীদমক্তা শ্রীকৃষ্ণনা লীলা শান্নবিবনি। লীলা রসকী অঙবপা মহাও ফংহন্দুনা নিত্যসিদ্ধ, কৃপা সিদ্ধ অমসু' সাধন সিদ্ধ ওইরবা ব্রজগী লোঙনবশিংগী মফমদা থৌজানবি, হৌখিবা মতমদা (মপোক কয়াবক্কী মমাংদা) সাধন তৌরকুনা সাধন অদু মপুং ফানবগীদমক হন্দক্কী মপোক অসিদা পোক্লরিবা মী পুন্নমক অদুগী মফমদা ফোংদোক্লা শান্নবিবা লীলা (প্রকট লীলা) উহল্লগা মখোঙনা নীংজরিবা (ভজন) অদু পীবিদুনা মখোঙবু মুংঙাইহল্লী (মাইপাকহল্লী)। (১। ৪। ২৯ পযারগী টীকাদা য়েংবিযু।) হৌজিক হৌজিকমক ভজন্দা থৱাই য়াওজরিবা হাঙবদি শ্রীকৃষ্ণবু কন্না নীংজবিবা, মখোঙশিং অদুগী মফমদা লীলানচিংবগী মাধুর্য্য উহন্দুনা মপুক্লিংদা খৌরাংবা হেনগৎহল্লী।

অদুগা তুংদা পোক্লগদৌরিবশিং অদুন শ্রীকৃষ্ণগী পুক্লিংশুমহৎপা ওম্বা লীলাগী ৱাৱী তারগা মখোঙশু ইবুংঙো মাবু নীংজবদা হেনজিন্না থৱাই যাওজনবগীদমক মহাক্না প্রকট লীলা শান্নদুনা মখোঙবুসু মুংঙাইহল্লী। অমুম্না হংবা য়াই, শ্রীকৃষ্ণ লীলাগী ৱাৱী তারগা মীচয়া কন্না শ্রীকৃষ্ণবু নীংলীংযম থোৱপাগে? পাওথুম—তাদৃশীঃ ক্রীড়াঃ—মহাক্না শান্নরিবা

গৌর-কৃপা-টীকা

লীলা পূন্নমক অসিগী ৱাবী তাবগা মী পূন্নমক্কী থমোই চিংসিল্লী, অত্তুদগী হেন্দোক্তুনা মণি-মন্ত্র-হিদাক্কী মতৌগুম্না ৱাখনগী ৱাংমদা লৈবা হাঙ্গিফম খঙদবা শক্তি অমস্তু লৈ. মাত্তনা তাবিরিবশিংগী থমোই অত্তু ভজন্দা পুক্লিং লুপহল্লী (শ্রীকৃষ্ণবু নীংহল্লী)। শ্রীকৃষ্ণনা লীলা ময়াম শান্নরিবা অসি মাগী তৌফম থোকপা মথৌনি হাঙ্গনা নীংহুনা তৌবিববা। মথৌনি হাঙ্গনা নীংহুনা তৌরবদি লীলা পূন্নমক অত্তুদা মহাক্লা লীলা পূন্নমক অত্তু য়াম্না মুংঙাইনা শান্নবি ; মাত্তুদা মশাস্থু হাঙ্গিফম খঙদনা মুংঙাইবা ফংঙি। (ভজতে হাঙ্গিবা ক্রিয়াপদ অসি বর্ত্তমান কাল ওইবা মরম্না লীলা পূন্নমক অত্তু নিত্যসিদ্ধ ওই হাঙ্গনা লৌযম থোকই।) লীলা পূন্নমক অত্তু তান্নবগা ফংলকপা মহে অত্তুদি—মানুষং দেহমাশ্রিতঃ—মীওইবা ঐথোঙ্গনা শ্রীকৃষ্ণদা মাই ওনসিনগনি, থাজগনি (ভগবৎ—পবাযণ ওইগনি)। জীব পূন্নমক্কী মন্নুংদা মীওইবনা হেন্না মুংঙাইবা ওন্মী, মাত্তুগী মবমদি, শ্রীকৃষ্ণনা শান্নরিবা লীলা অসি মীওইবগী লীলানি হাঙ্গিত্তুনা ভাব অয়াম্বা মীগী পুক্লিংগী (থমোইগী) মতুংইল্লী, অত্তুনা লীলা অত্তু অতৈ অতোপ্পা জীবদগী মীওইবনা খ্বাইদগী হেন্না মুংঙাইবা ফংঙি অমস্তুং লীলা অত্তুবু নীংবদস্তু মীওইবনা হেন্না পামসিন্না নীংজবা ওন্মী। কনাগুম্বা মী অমনা লীলা অত্তুবু তাজত্তুনা লীলা অত্তুগী মতুংইন্না নীংহুনা চংসিনবা যাই, মাত্তুদা জাতি বিজাতি খাঙ্গিবা লৈতে। পাওনা খৃষ্টিযান. বৌধ, হাড়ি, চণ্ডাল পূন্নমক্লা শ্রীকৃষ্ণবু নীংজবদা অথিংবা লৈতে। "সর্ব্বদেশকাল পাত্র দশাতে ব্যাপ্তি যাব॥" তৎপরোভবেৎ—ভগবং পবাযণ হাঙ্গিবদি লীলাগী ৱাবীদা পুক্লিং চংগনি। শ্রীমদভাগবত অমস্তুং অতোপ অতোপ্পা শাস্ত্রদা ইবি—মফম খুদিংদা মতম পূন্নমক্তা কৃষ্ণগী ৱাবী তাজবা ফংবা মী অত্তুদি লাইবক অফবা মীনি, অত্তুগা লীলা অত্তুগী মতৌ তম্বদি যাদে, শ্রীশুকদেবনা হাঙ্গিখি—"নৈতং সমাচবে—জ্জাতু মনসাপি হ্যনীশ্ববঃ। বিনশ্যত্যাচবন্মৌত্যাদ যথ হ্রুদ্রোহব্ধিজং বিষম॥ শ্লোক অসিনা কোংদোক্লি শ্রীকৃষ্ণগী লীলাগী শাজৎকী মতৌ তমগে হাঙ্গন পুক্লিংদা ফাওবা খনবদে। তৌগদবনা কবিনো, তৌবোইদবনা কবিনো হাঙ্গিবা অসি শাস্ত্রদগী পুথোক্কদবনি হাঙ্গনা শ্রীকৃষ্ণনা হাযবম্মী। তস্মাচ্ছাস্ত্রং প্রমাণং তে কার্য্যাকার্য্যব্যবস্থিতৌ॥ গী ১৬। ২৭॥ শাস্ত্রগী বিধিবু থৌশাদত্তুনা (হুন্দোক্তুনা) মতোমতনা মবন্নাই অমা পুথোক্তুনা চৎলবদি সিদ্ধি ওইবা, মুংঙাইবা ফংদে। শাস্ত্রগী ৱা ইতা তাদনা মবন্নাইনা অমা শেমহুনা শ্রীকৃষ্ণবু থন্নাই যাওনা নীংজববনি হাঙ্গনা নীংলীবা (ভজন তৌরিবা) অত্তু থন্নাই যাওবা কৌদে উৎপাত (তৌসিন্নবা) কৌই। স্মৃতিশ্রুতি পুরাণাদি পঞ্চরাত্রবিধিংবিনা। ঐকান্তিকী

'ভবেৎ' ক্রিয়া বিধিলিঙ সেই ইহা কয়।
কর্ত্তব্য অবশ্য এই, অন্যথা প্রত্যবায়॥ ৩১
এই বাঞ্ছা যৈছে কৃষ্ণ প্রাকট্য কারণ।
অসুর সংহার আনুসঙ্গ প্রয়োজন॥ ৩২
এই মত চৈতন্য কৃষ্ণ পূর্ণ ভগবান।
যুগধর্ম্ম প্রবর্ত্তন নহে তাঁর কাম॥ ৩৩

অর্থ

'ভাবৎ' হাঙ্গৈবা ক্রিয়াসি বিধিলিঙদা হাঙ্গৈবনি।
মাত্থ তৌফম থোকই নত্তবদি পাপ ওইগনি॥ ৩১
নীংবনা মবম ওইহুনা, কৃষ্ণনা ফোংদোবই।
হিংচাবা হাৎপদি মপা চাকনা থবক ওই॥ ৩২
অদুগুম্না চৈতন্য কৃষ্ণ পূর্ণ ভগবানগী।
যুগ ধর্ম্ম শন্দোকপ মথৌ নত্তে॥ ৩৩

গৌর কৃপা টীকা

হার্বভক্তিরূপাতাযৈবা বল্লতে॥ ভ'ব'সি প ২। ৭৬ ধৃতযামল বচন॥ শীশ্রীচৈতন্য চবিতামৃতগী ১। ২২। ৮৮ পযাবগী টীকাদা য়েংলিসু।

মথক্কী পযাবদা হাঙ্গৈবিবা অহুগী প্রমা। ওইন শ্লোক অসি থাঙ্গচবি। শ্লোক অসিনা উহল্লিন্দি, ভক্তশিংগী মফমদা অমস্তুং জীব পুম্নমক্কী মফমদা থৌজাল হৈবা ফোংদোক্কে হাঙ্গৈবগীদমক শ্রীকৃষ্ণন লীলা ফোংদোকপনি, মাসি যাম্না থৌজাল হৈবগী খুদম্নি। অমুকস্তু উহলী, শ্রীকৃষ্ণগী ফোংদোক্লা শান্নবা লীলাগী বাবী তারগা মীনা ভগবত্তা মাঙ্গৈ-ওনসিনগনি অমস্তুং লীলাদা পুক্লিং চঙ্গনি, মতৌ অসুম তৌদুনা প্রকট লীলানা বাগমার্গ ভক্তি শন্দোকই। পযাব ১৭ দা হাঙ্গৈখ্রে, শ্রীকৃষ্ণনা প্রকট লীলা শান্নবগী মবম অমদি "বাগমার্গ ভক্তিবু শন্দোক্কে হাঙ্গৈনা খন্দুনা।" শ্লোক অসিনা মাহুগী প্রমাণ ওইবে।

৩১। মথক্কী শ্লোক্তা যাওবিবা "ভবেৎ' ক্রিযাগী মরু ওইবা অর্থ ফোংদোকচবি।

ভাবৎ ক্রিয়া—শ্লোক্তা যাওবিবা "তৎপবো ভবেৎ" হ্রাহৈগী 'ভাবৎ' শব্দ অসি ক্রিয়ানি। নিধিলিঙ—মাসি ব্যাকবণগী শব্দ অমনি, কবিগুম্বা ক্রিয়াপদ অমনা হৌনবী (বিধি) গী

কোন কারণে যবে হৈল অবতারে মন।
যুগ ধর্ম্মকাল হৈল সে কালে মিলন॥ ৩৪

অর্থ :—

করিগুম্বা মরম অমগী পোক্কে নীংবদা।
যুগ ধর্ম্মগী মতমগা তিন্নখ্রব মাত্তুদ ॥ ৩৭

গৌর-কৃপা টীকা

মতুংইন্না শিজিন্নবা তাববদি বিধিলিঙ ক্রিয়া অসি শিজিন্নৈ। বিধিলিঙদা প্রথম পুরুষকী একবচনদা ভূ-ধাতুনা "ভাবৎ ওই অথনা তৌফম থোকই হৌনৈ, ওইবনা বিধিনি হায়বনি। মাত্থু তৌফম থোকপদি তৌদ্রবদি পাপ ওইবা অদুবু বিধ বৌই। নত্রবদি— ভগবংতা মাই ওনসিনবা লীলাগী বাবীদা পুখিং চত্তব নত্রবদি। পাপ—যৈথাই-থিনগাইব অবাবা অমঙ্গল।

বিধিলিঙ 'ভাবেৎ' কী অং মচিদি—মী ওইনব পোত্রবদি ভগবন্ত মাই ওনসিনগদবনি, লীলাগী বাবীদা পুখিং চত্তগদবনি, অসুম তৌবনা অচুম্বনি (বিধিনি)। করাগুম্বনা ভগবান্দা অতগা মাগী লীলাগী বাবীদা পুখিং চত্তদ্রবদি অবা-অনা যৈথাই থিনগাইবা অমঙ্গল ওইগনি।

৩১। পযার ১৭ গী অ মফম অসিদা লোইজাব। নীংবন মবম ওতন—পযার ১৭দা বসকী মহাক লৌরা' অমসু রাগ-মার্গ ভক্তি শন্দোক্কে হায়না নীংবা। নীংবা মবম অনি অসি, শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌবগী মক ওইবা মবম্নি। মপা চাকুল—মব ইেনা নলব।

৩৩। পূর্ণ ভগবান—মথক্কী পযার ১দা যেংবিয়ু। যুগধর্ম্ম—কাল কালগী যুগধর্ম্মদ শ্রীহরিনাম শন্দোকপনি। হিংচাবা হায়পদি পূর্ণ ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মথো নত্তবগুন্ন যুগধর্ম্ম শন্দোকপসু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মথো নত্তে। মরমদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যসু পূর্ণ ভগবান্নি, অদুনা মহাক স্বযং শ্রীকৃষ্ণনি। অশেনা ধর্ম্ম শন্দোকপনি।

৩৭। যুগধর্ম্ম নামসঙ্কীর্ত্তন শন্দোকপা অসি পূর্ণ ভগবান শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মথো নত্রবদি, মহাক্না নাম শন্দোক্লম্লিবা করি মরমগীনা? বাহ অসিগী পাংথম নীংদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা অবতার তৌগদবগী মতম অদুমক্তদা যুগধর্ম্ম হৌদোকপগী মতমসু চপ্চানা ওইবা যুগধর্ম্ম হৌদোক্লবগীদমক শ্রীবিষ্ণুসু অবতীর্ণ ওইখি, মরম অদুন শীঘ্রনা হোংলক্লা অবতীর্ণ ওইদতুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মশামক্তদা অবতীর্ণ ওইবারে অমসুং ইনগাগী মশামক্তদা লেপনা যুগধর্ম্ম শন্দোক্লে। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী হকচাংন পাম্বৈ ওইবগা রধুনা থবক অদু পাংথোক্লবে হায়দুনা থবক অদুবু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যন লৌমান্নে হায়না পুক্লিন নীংলুবনি। (মথংগী পযার ১২ গী অর্থগী মতুংইন্না থম্বদি তৌবিবা অর্থ অসি অচুম্বনি হায়না নীংদে)। অমদি যুগ

দুই হেতু অবতরি লঞা ভক্তগণ।
আপনে আস্বাদে প্রেমনামসঙ্কীর্ত্তন॥ ৩৫

অর্থ

মবম অনিগী অবতাব তৌই ভক্তশিংগা।
মশানা পেন্না চাঙ্গী প্রেমগা নামসঙ্কীর্ত্তনগা॥ ৩৫

গৌব-কৃপা-টীকা

ধর্ম্ম শন্দোকপা (হৌদোকপা) অসি পূর্ণ ভগবান শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মথৌ (থবক) নত্রবস্থ মহাক্কী মতুংগী মকওইবা অনীংবা অমা পাওথোক্কে হাইবগীদমক অবতীর্ণ ওইবা মতম অসিদা. যুগধর্ম্ম অমা হৌদোকপগী মতমস্থ চপ চানা ওইবা মনয়া, মহাক্কী মতুংগী মক ওইব অনীংবা অতু পাওথোকপগা লোঈন-লোঈননা, মপানগী থবক ওইব মপা চানকদ্রনা থোংনবা যুগ ধর্ম্মস্থ হৌদোকখি, মবম অতুনা যুগধর্ম্ম হৌদোকপা অসি মহাক্কী মক ওইবা থবক নত্তে, মপানগী থবনি। কবিগুস্বা মবম অমগী—মবম অতু কবিনে হাঈবদ মথাগী থংনবা পয়াবদা হাঈজবি। তিন্নখবে মাতুদা—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা অবতাব তৌবা মতমগা লোঈননা অমতা ওইনা তিন্নখবে।

৩৫। শ্রীকৃষ্ণ অবতাবগী (প্রেম বসবী মহাও চাবগা বাগমার্গ ভক্তি শন্দোকপগা) মক্কওইবা মবম অনি লৈ, অতুগুমদুনা শ্রীচৈতন্য অবতাবদস্থ মক্কওইবা মবম অনি লৈ—মাতু হাঈজবি। প্রেম লৌবনা (চাবনা) অমা অমস্থং নামসঙ্কীর্ত্তনগী মহাও (নুংঙাইবা) লৌবনা (চানবা) গমা, মবম অনি অসি শ্রীচৈতন্য অবতাবগী মক্কওইবা মবন্নি।

মবম অনি—মক্কওইবা মবম অনি। অবতাব তৌই ভক্তশিংগা—মহাক্কী তিন্নবিবশিংগা লোঈননা অবতাব তৌই। শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজপাস (মহাক্কী তিন্নবিবশিং) গা লোঈননা অবতীর্ণ ওইবদোনা শ্রীচৈতন্যস্থ মাগী থঙনবা মথৈগ লোঈনন নবদ্বীপ্তা অবতীর্ণ ওই (১।৪।২৭ পয়াবগী টীকাদা যেংবিয়ু)। নবদ্বীপ্তা শ্রীমন মহাপ্রভুগী লোঈনবশি অতু অচম্বা (প্রাকৃত) মী নত্তে মথাঈদি নিত্যসিদ্ধ—গৌব—পবিকবনি (কনা কনাগুম্বনা সাধন সিদ্ধ যাওবস্বা যাই)। শ্রীল ঠাকুব মহাশয়নস্থ অস্মুম্না হাঈবিবম্মী—"গৌবাঙ্গেব সঙ্গিগণে, নিত্যসিদ্ধ কবি মনে, সে যায ব্রজেন্দ্রসুত পাশ—প্রার্থনা।" মশামক্লা প্রেমগা নামসঙ্কীর্ত্তনগা হবাওনা চাবা মবম্না অনি অসিমক মহাক্কা অবতাব তৌবগী মক্কওইবা মবন্নি।

শ্রীচৈতন্য অবতাবগী মক্কওইবা মবম হাঈবকপদা মতুংগী পয়াব অমদা মপুং ফাবা তাবে-"নুংঙাইবা অহুম ফংনবা অবতীর্ণ তৌবগে॥ ১।৪।২২১।" ব্রজলীলাদা অনীংবা অহুম অদু থুংনবা পাওথোকপা ওম্নমদে (অনীংবা অহুমগী বা অসি মতাং অসিদা হাঈজরকনি),

সেই দ্বারে আচণ্ডালে কীর্ত্তন সঞ্চারে।
নামপ্রেম - মালা গাঁথি পরাইল সংসারে ॥ ৩৬

অর্থ

চণ্ডাল ফাওবা কীর্ত্তন শন্দোকই নাম-প্রেম পীহুনা ।
সংসারগী জীবদা নাম-প্রেম শিবি মালা ওইনা ॥ ৩৬

গৌর কৃপা টীকা

ওন্নমদবা অহু মপুং কানা পাড়থোকে হাঙ্গৈনা নাংখিবা অহুন শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা অবতার তৌবগা মরম মরূওইবনি, তৌইগুম্বম্লং পযাব অসিদা হাঙ্গৈবিবদি. প্রেম চাবা (লৌবা) অমস্তুং নাম সঙ্কীর্ত্তনগী মহাও (শুংঙাইবা) চাবা (লৌবা) না মরূওইবা মরম্নি হাঙ্গৈবি । ভাব অসি তাইসিন্নহুনা লম অনিবু অমতদা অর্থ পুবা যানবা য়াহৈদি, অপাম্বা অহুম থুংনবগীদমক নীবস্তু নাম-প্রেম চাগে হাঙ্গৈনা নাবগী মন্নু চন্নী হাঙ্গৈহুনা নাম—প্রেম—চাগে হাঙ্গৈনা নীংববু মরূওইবা মরম্নি হাঙ্গৈরবনি ।

প্রেম চাবা (আস্বাদন) হাঙ্গৈবা অসি মখল অনি থোক্না খাঙ্গৈদোকপা য়াই, প্রেম্না বিষয ওইহুনা চাব হাঙ্গৈবদি প্রেম অং (মপু কহু) ওইনা মহাক্কী মফমদা লৈন-লৈন চাবা, শ্রীকৃষ্ণনা চাবা, মাসিন মখল অমনি, অহুগা প্রেমদা চঙজহুনা চাবা হাঙ্গৈবদি শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা প্রেম লেঙ্কবা শ্রীরাধিকানচিংলীনা চাবা পেন্না মখল অমনি । ব্রজলীলাদদা শ্রীকৃষ্ণনা বিষয (মপু) ওইনা প্রেম চাঙ্গি তোইংগুম্বম্নু প্রেম অংদা ভক্ত ওইনা, আশ্রয় ওইনা (চঙজহুনা) চাবদি ওমখিদে—অনা আশ্রয় (ভক্ত) ওইনা প্রেম অং চাগে হাঙ্গৈনা নীবা অসিনা মং অহুম থোক্না কোকদোক্নুনা অপাম্ব (অনীংব) অহুম শুবরে, অপাম্বা অহুম অসি শ্রীচৈতন্য-অবতারগী মরূওইব মরম্ন হাঙ্গৈন মহুন গী লীলাদা । নাম সঙ্কীর্ত্তনগী মহাওস্তু বিষয ওইনা অমস্তু আশ্রয় ওইনা মখল অনিথোক চাবে, শ্রীকৃষ্ণন বিষয ওইনা নদীয়ালীলাদা নাম তাবে (লৌবে) তৌইংগুম্বম্নু আশ্রয় ভক্ত ওইন লৌবদি (চাবদ) ওমখিদে । নবদ্বীপ-লীলাদা ভক্ত-ভাব লৌহুনা মহাক্না প্রেমগী অমস্তু নাম-সঙ্কীর্ত্তনগী মহাও (শুংঙাইবা) লৌবরে (চাবরে) ।

৩৬ । শম্নপ্না শ্রীচৈতন্যনা অবতার তৌবগী মরূওইবা মরম হাঙ্গৈরবনি লৌঙ্গনন হৌজিক মতুংইনবা (হাঙ্গৈবদি মপ চানফবা) মরম হাঙ্গৈজবি । শ্রীচৈতন্যন ভক্তভাব ওইবা য়াহুনা নামপ্রেম চুপ্পী, অহুগ খ্বাই য়াম্নমক, কবি অয়াক হাঙ্গৈনি চণ্ডালনচিং তোল্লবা জাতিগী মন্নুংদসু নাম-সঙ্কীর্ত্তন শন্দোবই, যাম্না থৌজাল হেবা শ্রীচৈতন্যনা প্রেম্না লংশুং তাবগা নামগী মালা-পারে লেহুনা জগতগী নেবিন জীব পুম্নমক্কী মচক লৈ-পারে শিবদৌনা শিবি ।

এইমত ভক্তভাব করি অঙ্গীকার।
আপনি আচরি ভক্তি করিল প্রচার॥ ৩৭

অর্থ

মতৌ অসুম্না ভক্তভাব ফজনা লৌদুনা।
ভক্তি চৎলগা ভক্তিধর্ম্ম শন্দোকই মশানা॥ ৩৭

গৌর-কৃপা টীকা

চণ্ডাল ফাওবা—চণ্ডাল হাঙ্গৈবা অসি অতোনবা জাতিনি, চৎনবী রাহৈদা হাঙ্গৈরগা থাইনা মণিপুরদা লৈবনা ফত্ত-হৌদি শেদোকপা জাতিগুম্বনি, মথোঙ্গৈদি স্মৃতি-পুরাণগী মতু ইন্না ধর্ম্ম-কর্ম্ম তৌনগী অধিকার লৈতে, অদুবু যাম্না থৌজাল হৈবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা মাখোঙ্গী অদু ফাওব নাম-প্রেম পীদুনা ভগবৎ নীংবদা (ভজন্দা) অধিকারী লৈহল্লী। ব্রাহ্মণদগী চণ্ডাল ফাওবদা মাগী কৃপা চণ্ডবা লৈতে। নাম-প্রেম-মালা—নাম অমসুং প্রেমগী মালা, প্রেমগী লন লেংবা নামগী মালা। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা মী পুম্নমকপু প্রেমগা লোঙ্গনদুনা নাম-সঙ্কীর্ত্তন তৌহন্দুনা অপ্রাকৃত (মায়া চংদবা, চমদবা) মুংঙাইবগী অধিকারী ফহল্লী। কলিযুগ খুদিংদা যুগাবতারনা নাম শন্দোকই তৌইগুম্বসু প্রেমদি শন্দোক্তে, শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদি প্রেমসু শন্দোকই অমসুং প্রেমগা লোঙ্গনদুনা নাম-সঙ্কীর্ত্তনসু শন্দোকই, হৌদং অসিদগী যুগাবতার নাত্তে হাঙ্গৈবা খণ্ডী।

৩৭। হ বিনা যাই, ভক্তগী প্রেম-রসকী মহাংগ অমসু ভক্তনা তৌবা নাম-সঙ্কীর্ত্তনগী মহাংগ অনিমক শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজলীলাদা লৌখ্রে, নবদ্বীপলীলাদা নাম-প্রেম লৌবনা কনি অহৈনবা লৈবগে। পাংখুমদা হাঙ্গজবি—ব্রজলীলদা শ্রীকৃষ্ণনা প্রেম-নাম-সঙ্কীর্ত্তনগী মহাও লৌখিনা অদু আশ্রয় (ভক্ত) ওইনা লৌবা নত্তে, মপু (বিষয়) ওইনা লৌখিবনি, শ্রীকৃষ্ণবু পেনাহন্দুনা অমসু শ্রীকৃষ্ণগী নামকীর্ত্তন তৌদুনা মুংঙাইবা ফংবা অদুগী মহাওদি—ব্রজলীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা লৌবা (চাবা) ফখিদে, মহাও অদুদি ভক্তদনা ফংদি, মরমদি, ভক্তদি প্রেমদা চণ্ডক্তে অমসুং নাম-কীর্ত্তন তৌই। মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা ভক্তভাব ফজনা লৌদুনা (শ্রীচৈতন্য ওইদুনা) প্রেমগা অমসু নাম-সঙ্কীর্ত্তনগী মফমদা চংজদুনা মুংঙাইবগী মহাও লৌই।

ভক্তভাব—ভক্তগী ভাব। লৌদুনা—যাদুনা, ওইদুনা। চৎলগা মশানা—মশানা ভক্ত-ভাব ওইদুনা নাম-কীর্ত্তন্নচিংবা ভক্তিগী অঙ্গ (হৌনবী) চৎতুনা নাম-সঙ্কীর্ত্তন্নচিংবা ভক্তিধর্ম্ম শন্দোকই, মহাক্না পাওতাকসু পীরি অমসু মশানসু চৎতুনা (তৌদুনা) ভজনগী (লাই নীবগী) শুদনসু চহল্লী।

দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য আর শৃঙ্গার।
চারি-ভাবের চতুর্বিবধ ভক্তই আধার ॥৩৮

অর্থ :—

দাস্য, সখ্য, ব্রাৎসল্য অমসুং শৃঙ্গাব মবি।
ভাব মবিসিদা ভক্ত মখল মবিনা চংজবি ॥ ৩৮

গৌব-কৃপা টীকা

৩৮। শ্রীগৌবাঙ্গনা কবম্বা ভক্তগী ভাব লৌবগে (ওইবগে) হাঙ্গৈবত্তু, পযাব ৩৮—৭৫ দা হাঙ্গৈজবি।

মনাই (দাস্য), মরূপ (সখ্য), মচান্নংশিবা (ব্রাৎসল্য) অমসু, শৃঙ্গাব (মধুব) অসিনচিংবা ভাব মযাম অসিগী মখল মখলগী ভক্ত লৈ, ভাব মযাম অসিগী মন্নুংদা মধুব (চান্নবী কান্তা) ভাবনা খ্বাইদগী ব্রাংবা হেন্রী (চেংপা হেন্রী), মবম অত্তুনা অতোপ-অতোপ্পা ভাব পূম্নমক অসি কান্তা-ভাবকী মন্নুংদা চঙত্তুনা লৈ অমসু হাঙ্গৈবিবা কান্তা-ভাব অসিনা শ্রীকৃষ্ণনুসু হেনজ্জিন্না খুত্তম চনবা ওন্মী, ইব্ ভো মহাক্কী সেবাসু মপ্ংফানা ফংজবা ওন্মী। গোপ শাগৈগী ফজবীশি অসি কান্তা-ভাব ওইনা শ্রীকৃষ্ণদা নীংজি, মখোযগী মন্নুংদা অমুক শ্রীবাধিকানা খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোক্পা শ্রীকৃষ্ণবু নীংবা হেন্রী। খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকপা শ্রীকৃষ্ণনা খ্বাইদগী তথোইবা বস লৌফম (চাফম) থোকই, খ্বাইদগী অথোইবা বস চাবা তাববদি খ্বাইদগী অথোইবা ভাব লৌফম (ওইফম) থোকই, মবম অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীবাধাগী ভাব লৌগে হাঙ্গৈনা ব্রাশক্তুনা শ্রীচৈতন্যগী মশক ওইত্তুনা নবদ্বীপ্পা অবতীর্ণ ওইত্তুনা নাম-প্রেমগী মহাও চাববে।

দাস্য, সখ্যনচিংবা ভাবশিংগী মন্নুংদা চান্নবীগী ভাবনা (কান্তা ভাবনা) পুরি হবা (মাধুর্য্য ওইবা) খ্বাইদগী হেন্রী হাঙ্গৈবত্তু অহানবদা পযাব অত্তমদা উহনজবি।

দাস্য—দাস্য, সখ্যনচিংবা ভাবকী মওং অসি মথক্কী পযাব ১৯। ২০ গী টীকাদা যেং বু। শৃঙ্গাব—কান্তাভাব, মধুবভাব, নুপীগী মফমদা নীপানা অমসুং নীপাগী মফমদা নুপীনা উননীংবগী অপাম্বা অত্তবু শৃঙ্গাব কৌই, "পুংস স্ত্রিযাঃ স্ত্রিযঃ পুংসঃ সংযোগং প্রতি যা স্পৃহা। স শৃঙ্গাব ইতি খ্যাতোবতিক্রীডাদিকাবণম ॥ ইত্যমবটীকাযাং ভবত.।" শৃঙ্গাববস অসি ৩২ কুম্ব্রানিথোই শুই, ভক্তনা শ্রীকৃষ্ণবু থবাইগী মপুনি হাঙ্গৈনা নীংজত্তুনা সেবা তৌবা পামজবা অসিসু শৃঙ্গাব বস কৌই। ভাব মবিসিদা—দাস্য, সখ্যনচিংবা ভাব মরি অসিদা।

নিজ নিজ ভাব সবে শ্রেষ্ঠ করি মানে।
নিজ ভাবে করে কৃষ্ণসুখ আস্বাদনে॥ ৩৯
তটস্থ হইয়া মনে বিচার যদি করি।
সব রস হৈতে শৃঙ্গারে অধিক মাধুরী॥ ৪০

অর্থ

মানা মানা নীংবদুনা অথোইবনি খল্লে।
মাগী ভাব অদুনা কৃষ্ণ নুংঙাইনবা হোৎনৈ ॥৩৯
মযায লেপ্তুনা বিচাব তৌবরদি পুক্নিংনা।
বস পুম্নমক্কী ফজবা হেল্লী শৃঙ্গাবনা ॥৪০

গৌর কৃপা-টীকা

ভক্ত মখল মরি—ভাব মরিগী ভক্ত, দাস্য (মনাই) ভাবকী ভক্ত॥ শ্রীরক্তক-পত্রকনচিংবনি. সখ্য (মরূপ, মমান্নবা) ভাবকী ভক্তন শ্রীসুবল-মধুমঙ্গলনচিংবনি বাৎসল্য (মচাদা-শিব) ভাবকী ভক্তনা শ্রীনন্দ-যশোদানচিংবনি, অমসু কান্তাভাবকী (থগাইগী ইবুংঙোনি হাঙ্গনা নীজবা) ভক্তন শ্রীরাধিকানচিংবীনি চঙবি—আশ্রয় লৌজবি, বনাগুম্বনা দাস্যভাব, লৈবব, হাঙ্গবদি মখাঙ্গী অদুন দাস্যনচিব ভাব ওইনা নী ও .সব তাব পামজববদি মখোযদা ভাব পুম্নমক অমা ... হাঙ্গবদ অ শ্রা। ... রক্তক পত্রকনচিবনা দাস্য (মনাই) ভাবত আশ্রয ওই, সুবল-মধুমঙ্গলনচিবনা সখ্য (মরূপ) ভাবতা আশ্রয ওই, নন্দ-যশোদানচিবনা বাৎসল্য (মচান্নুংশিব) ভাবত আশ্রয ওই, অমসু শ্রীরাধিকানচিবীনা কান্ত (চান্নবী) ভাবত আশ্রয ওই ... শান্তরসকা ভক্ত লেপতে অমা মাম অসিগ শান্তভক্তগী ... হঙদ্রে। শান্তরসকা ভক্তা বামদি বৈকুণ্ঠন।

৩৯। ভাব মরিগী ভক্তশিংগী মথংদা ভক্ত খুদিংমক মাগ মাগা নীংজরিবা ভাব অদুনা অতৈ খ্বাইদগী হেন্না হাঙ্গনমপুরিনা নীজে দাস্য ভাবকী ভক্ত অদুনা মপুক্নিংদা বাৎসলা ভাবতগী ফজবা হেন্না হাঙ্গনা নীডিদ, সখানচিংব ভাবকী ভক্তসু অসুন্না মানা মাহাক্ন হাঙ্গনা নীডিদ। মখোয পুম্নমক মাগ মাগা নীজবিব ভাব অদুগী মতুং ইন্না সেবা তৌজদুনা শ্রীকৃষ্ণবু পেলহন্দুনা নুংঙাইবা ফংজে।

কৃষ্ণ নুংঙাইনবা হোৎনৈ—মাগ পামজবিবা ভাব অদুগী মতুং ইন্না শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইনবা হোৎনৈ, ইবুংঙো মানা নুংঙাইবা পেনবিব ... ভক্ত অদসু নুংঙাই, ভক্ত অদুগী মশাগী নুংঙাইনবা ... অমা ... খাদ।

তথাহি ভক্তিরসামৃতসিন্ধৌ দক্ষিণবিভাগে স্থায়িভাব-
বলহর্য্যাম্ (৫/২১)-
যথোত্তরমসৌ স্বাদবিশেষোল্লাসময্যপি।
রতির্বাসনয়া স্বাদ্বী ভাসতে কাপি কস্যচিঃ। ৫

গৌর-কৃপা টীকা

৭০। ভক্ত অতুনা মানা পামজবিবা ভাব অত্নদা লুপ্তুনা লৈজৈ, মহাক্রা মানা নীংজবিবা ভাব অত্নদা ভাব পুম্নমক্তুগী ইহেন হেল্লী হাঙ্গৈনা নীংজববস্তু, কনাগুম্বা অমনা মীচ-মীখায় নাইদনা ভাব মনি অত্নগী মন্নংদা ক[illegible]। ভাবনা ইহেন-হেনবগে হাঙ্গৈনা নিচাব তৌববদি খঙবা চেমগনি, ভাব পম্নমক্তুগী কান্তা (চাওবী) ভাবনা পুক্লিং শুমহৎপা (মাধুর্যা) বস লৈবা ইহেল-হেল্লী, মবম অত্নুনা কান্তা-ভাবন খ্বাইদগী অথোইবনি। বস পম্নমক্তুগী—দাস্য, সখ্য অমসুং বাৎসল্য অত্নমদগী। শৃঙ্গাবনা—কান্তাভাবনা। ফজবা—মাধুর্যা, পুক্লিং হবা।

শ্লো। ৫। অ[illegible]। অসৌ ([illegible]) [illegible] (মথন [illegible] ভাব [illegible] বতি) যথো[illegible] (মদং মথ) স্বাদবিশেষোল্লাসময়ী (মহাও [illegible]লবা হেনবা) অ[illegible] ([illegible]) [illegible]বাসনয়া ([illegible] [illegible]বনা) অ[illegible] (কবি [illegible]) [illegible] চং ([illegible]ক্তুনা) স্বাদ্বী (হেন্না পা[illegible], হা[illegible]) ভাস[illegible] ([illegible], [illegible])।

অনুবা। ([illegible] দাস্য, সখ্য [illegible] মধুর) [illegible] মথক [illegible]গী ভ[illegible] অ[illegible] [illegible] মথং ম[illegible] [illegible]বনা বস ফজবা হেনবস [illegible] মবম্না ক[illegible] ভ[illegible] ক[illegible] ভাব। [illegible] খাইদগী অহেন[illegible]নি হা[illegible] [illegible] (নীংলি)।

শান্তবতিদগী দ[illegible], দ[illegible]দগী সখ্য[illegible], সখ্যদগী [illegible] অমং বাৎসল্যদগী মধু[illegible]না মহাও হেল্লী, অত্নু[illegible] [illegible] [illegible]ই পুম্নমক্তুগী [illegible]হে বনি। ([illegible] পুম্নমক্তুগী শৃঙ্গাব বস[illegible] মধুর্য্য পুমহে [illegible] হাইনসি ফা[illegible])। [illegible] শৃঙ্গাব বসনা মাধুর্য্য [illegible]হবা হেল্ল দি [illegible] [illegible] শৃঙ্গা [illegible] [illegible] সেনা তৌত্রিনা কবি মবমগী[illegible] [illegible]বনা [illegible] অ[illegible] বস[illegible] চ[illegible]বা বরিগনো? প[illegible]ওথুম [illegible] মা[illegible]দবা থে বা ম[illegible] ই[illegible] অ[illegible] গোবিন্দব[illegible]। [illegible]তোপ-অতেপ্পা ভক্তগী অতোপ-অতোপ্পা বাখ[illegible] [illegible], [illegible]তোপ-[illegible]তেপ্প থবব[illegible], মবম অত্নুনা [illegible]ই পুম্নমক্তুগী মাধুর্য্য ওইবা হেন্না শৃঙ্গাব অস[illegible] প[illegible] [illegible] হেক ওইদে, কনা-কনাগুম্বা [illegible]না অতোপ-অতোপ্পা বসপুম্ন পা[illegible]বা যাগদ।

অতএব 'মধুর-রস' কহি তার নাম।
স্বকীয়া-পরকীয়া-ভাবে দ্বিবিধ সংস্থান ॥৪১

অর্থ :—

মরম অদুনা মাদুগী মিং 'মধুর রস' কৌই।
স্বকীয়া-পরকীয়া-ভাব মখল অনি থোক্ই ॥৪১

গৌর-কৃপা টীকা

পৃথিবী অমদি, করিগুম্বা খনি অমদা সমুদ্রদা কোরি, শেঙ্গেং, লুপা, সনা রত্ন চিন্তামণিনচিংবা ধাতু পূমমক থোকই। ধাতু থিবা কাংবুনা ঈশিং মফুংদা লুপ্তনা ধাতু থিবদা মরাইবক ফবা কাংবুনা রত্নচিন্তামণি ফংঙী, মরাইবক লৈতবা কাংবুনা কোরি, শেঙ্গেং ফংঙী; মরাইবকী তুংইন্না মমন্ য়াম্না পোং ফংঙী অসিগুমদুনা শ্রীকৃষ্ণবু নীংজবা মতমদা কর্ম্ম য়াম্না তৌরগা ফঙ্গনি হাঙ্গীনা খনবা কাংবুনা হাঙ্গীবদি শান্তা ভক্তনা কোর ফংলে। কোরিবু পুখৎলক্লিবা ধাতু থিবা কাংবু অদু শান্তা ভক্ত 'কর্ম্মী) কৌই। জ্ঞা। মধ্ এইনা শিজিন্নরগা ঈশ্বরবু ফংগনি হাঙ্গীনা খন্নিবা কাংবু অদুনা শেঙ্গেং ফংলিবা কাংবু অসিবু দাস্যগী (ঈশ্বরগী মনাইনি হাঙ্গীনা নীংজবা) ভাবকী ভক্তনি। জ্ঞানীনি হাঙ্গীনা খঙনগনি। কর্ম্মগা তিন্নবা ভক্তিনা ঈশ্বরবু নীংজরগা লুপা ফংঙী, লুপা ফংলিবা কাংবু অসিবু সখা (মমান্নবনি হাঙ্গীনা খন্‌বা) ভক্ত কৌই। জ্ঞানগ তিন্নবা ভক্তিনা নীংজরগা সনা ফংঙী. সনা ফংলিবা কাবু অসিবু বাৎসল্য (মচাগুম্না নীংবা) ভক্ত কৌই। অশেংবা ভক্তি প্রেম-তনা য়াম্না মুংশিনা নীংজরগা রত্নচিন্তামণি ফংঙী, রত্নচিন্তামণি ফংলিবা কাংবুবু শৃঙ্গার (মধুর) রসকী ভক্ত কৌই। পূমমক অসিদগী শৃঙ্গার (মধুর) রসকী ভক্তনা থাক রাংবা ইহেল-হেল্লা, অদুবু হোৎনবগী মতুংইন্না লাইবক্কী মতুং ইংবা ভক্ত পূমমক্না থ ক ওরাবা অসি চোংখৎপা ওমদে। (শ্রীশ্রীবংশী-শিক্ষা চতুর্থোল্লাস। মপোক কয়ামক্তা খংথেংনা রানা নীংজরকপগী মহৈনা শৃঙ্গার রসকী ভক্তগী মফুং চলহল্লী; মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা ভক্ত খুদিংদা মানা মানা হোৎনজবগী মতুংইন্না মতিক-মতিক চাবা থাজ্বা পল্লি।

৪১। শৃঙ্গার-রস না পূমমকগী নিংথিজবা হেল্লী হাঙ্গীদুনা, শৃঙ্গার-রস না নিংথিজবগী অরোইবা খমথেংবনি হাঙ্গীদুনা, শৃঙ্গার রসপু "মধুর-রস" অথুম্বা রস কৌই। মধুর-রস অসি মখল অনি থোকই—স্বকীয়া-মধুর কৌবা অমা অমসুং পরকীয়া-মধুর কৌবা অমা।

গৌর-কৃপা টীকা

স্বকীয়া—মশানা লুহোংহনা লৌবা লুপীবু স্বকীয়া লুপী কৌই। "করগ্রহবিধিং প্রাপ্তাঃ পত্যুরাদেশতৎপরাঃ। পাতিব্রত্যাদবিচালা স্বকীয়াঃ কথিতা ইহ॥ লুহোংবগী নিয়ম বিধি মতুংইন্না লুহোংহনা, মপুবাক্কী যাথং ইন্দুনা লৈরবী লুপী অদুবু বস শাস্ত্রনা স্বকীয়া কৌই। উ, নী, কৃষ্ণবল্লভা।৩॥" শ্রীরুক্মিণীনচিংবী দ্বারকাদা লৈরিবী ইবেংশিং অসি শ্রীকৃষ্ণগী স্বকীয়া লুপীনি; (প্রকট-লীলাদা) যজ্ঞনচি বা লিংখৎহনা নিয়ম বিধি হৌনবী মতুংইন্না লুহোংহনা লৌবনি। অপ্রকট লীলাদা স্বকীয়া ভাব লৈবিবা অসি পুরিং থাখল্লা নীংজবকনি, থাঙ্গাশংনা লহোংবা নত্তবস্ত স্বকীয়ানি হাঙ্গনা নাবা অমদি জগৎ শেমগৎলিবদগী অহুম নীংনরবানি। এবুঙ্গী লম্মাশিং স্বকীয়া ভাবনি। পরকীয়া—"রাগেণৈবার্পিতাত্মানো লোকযুগ্মানপেক্ষিণা। ধর্মেণাস্বীকৃতা যাস্তু পরকীয়া ভবন্তি তা॥ লুপী পুম্নমক হনা ইন্দকী মপোক অমং, হয়েংমকী মপ কা ... লনবা ধর্ম থাদোক্তুনা (হেংদত্তনা) থাইদগী অথাৎবা মপা অমদা (শ্রীকৃষ্ণদা) পান্নজহনা থরাহ নংপা আত্মসমর্পা তৌবা অমং মখোয অদু হেংগা ইনা মহুংইন্না লুহোংহনা নত্তবা মখেয অদুবু পরকীয়া কৌই। উ, নী, কৃষ্ণবল্লভা ৩॥" ব্রজদা ফেংদারা শাঃখিবা লীলাদা (প্রকট-লীলা) শ্রীরাধিকানচিংবী ব্রজ দেবীশিং অসি শ্রীকৃষ্ণগী পরকীয়া কান্তানি; মদি, প্রকট-লীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়বু লুহোংবগী হৌনবা মতুংইন্না লুহোংখিদে পাংজনবা মখোয়গা লোইননা নাখি। শাস্ত্রগী পরকীয়া কান্তাগী মসমদা অমক মথল অনি লৌনই— কন্যাবা অমসুং পরোঢা। শ্রীনন্দবাগী বন রাজ শ্রীকৃষ্ণ অমসুং ইবুঙো নাহাবা চাম্না ইরবশিং অসিনা ... ফিবম মসি যুগ যগ নয়া। শ্রীঅম্বস্ত হনুমনপাগী ফিবম ... অমসুং তগু গুইনগী ... লৈরে, ... বগী ফিবম... ভুনা লৈরান। শাস্ত্রগী চংনা ১।২১৭ নুমংনি শ্রীবাহ্য রাগ চাইনা ১৭।২১৪ নুমিংদি। এহেই মুংডিংইদা মপাগী যমদা লৈবিউগা ম... গোপকন্যাশিং হনা শ্রীকৃষ্ণবু ... নি হাঙ্গনা নীংজহনা লুংশিরবদি মখোয অদুবু কন্যাকা—পরকীয়া কৌই। বজগী বাল্যাবস্থাদা পুরিং চংলিবা গোপকন্যা লাইনক কবীশিং অসু কন্যা পরকীয়া কান্তা হাঙ্গনা কৌই। ... তাশ্মা গোপ অমগা লোহা লে (হাইনা থাইনা নীংবা ভদৌন, ... রক্তদীমা ... মবুংতা অদুগদি লোইননহুনা ... শ্রীকৃষ্ণনা লোইননা ... বাখলা তৌহনা লৈবী, মখোয়শিং অদুবু পরোঢা কান্তা কৌই। হাঙ্গদোকপদা মমন ... ব মগ্রবা রানি, ... বা রাগ ... চন্দ্রা বন্না ফজবা পরোঢশিং অসি ... (কবিগুপ্ত মতমদস্ত) অঙাং পোকপিদে, লোগম্যাগী শাস্ত্রনা মখোয়গা লৈ... শাহদে।

পরকীয়া ভাবে অতি রসের উল্লাস।
ব্রজ বিনা ইহার অন্যত্র নাহি বাস ॥৪১

অর্থ :

রস ফজবা যাম্না হেল্লী পরকীয়া ভাবনা।
মাদু অতৈ মফমদা লোট ব্রজ নত্তা ॥৪২

গৌর-কৃপা টীকা

"গোপৈর্ব্যূঢা অপি হরেঃ সদা সম্ভোগলালসাঃ। পরোঢা বল্লভাস্তস্য ব্রজনার্য্যোঽপ্রসূতিকাঃ ॥ উ, নী, কৃষ্ণবল্লভা।২৪॥" শ্রীরাধিকানচিংবা গোপগী মৌশিং অসি শ্রীকৃষ্ণগী পরকীয়া কান্তানি (প্রকট-লীলাদা)। মাযাসংসারগী অংগংগা চংদবী ওঠনি।

স্বকীয়া—কান্তাশিংগী সেবাদা শ্রীকৃষ্ণনা লৌবিবা রস অতুগী মিং স্বকীয়া-মধুর রস কৌই, অতুগা—পরকীয়া-কান্তাশিংগী প্রেম সেবদা মহাক লৌবিবা রস অতুগী মমিং পরকীয়া-মধুর রস কৌই। রসরাজ শ্রীকৃষ্ণনু পরনরগী দনক সেনা চৌনতুং ধর্ম্ম পৃম্নমক থাদোকুনা হোৎনবিবা (নৌংজবিবা) অদুবু 'পর-দার' কৌই 'পর' ॥ অর্থনা অথোইবা হাঙ্গবনি, 'দার' গী অর্থনা প্রকৃতি হাঙ্গবনি, প্রকৃতি—নারী যদি গোপীবু খণ্ডন শাস্ত্রগী অর্থনি, মরম অতুনা 'পর-দার' হাঙ্গবগা অংনপ্পা মপুং ফাবা লৈবা ম্নপীবু নত্তে। গোপীরাগী-মনুংদা শ্রীমতি রাধিকানা অথোইবনি। পদ্ম পুরাণ—শ্রীগোতমীয় তন্ত্রদা হাঙ্গনি, "গোপীত্বং প্রকৃতিং বিদ্যাজ্জনস্তত্ত্ব সমূহক ... প্রকৃতিজর্নস্তথা শমণ্ডলঃ ॥ শ্রীশ্রীবংশী শিক্ষা ॥ ১২ ॥

৪২। স্বকীয়া কান্তা ভাবগী পরকীয়া কান্তা ভাবনা রস ফজনা য়াম্না হেৎনা হাঙ্গবনু টহনজবি।

পরকীয়া ভাব—শ্রীরাধিকানচিংবা পরকীয় কান্তা না শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা লৈবা ভাব পয়ার অসিগী বা মচংদি অসিনি :—স্বকীয়া ভাব-তগী পরকীয়া ভাবনা মুংশিবা হেল্লা অদু রস লংবা হেল্লী, মৌইগুম্বসং প্রকট ব্রজধাম নত্তনা চৎলে ভগবদ্ধামদা অসিগুম্বা পরকীয় ভাব চৎনদে।

য়াম্না কন্না খৌরাংলগা (লাম্নগা) চাৎনদি লোৎকা মহাও অত্ত অওকপা ফংনা হাটখবে অতুগুমতুনা য়াম্না কন্না খৌরাংলগা নায়ক নায়িকা (জগৎকী লচিংবা-লুচিংবী) অনি উনবদা অওকপা ফংনা মুংগাইনবগী মরম ওই। উননাংবগী খৌরাংবা অতুনা অতুকী মাংক

গৌর-কৃপা টীকা

কনখৎলগা উনবা মতমদা অঙকপা ফংনা নুংঙাইনবগী মরম ওই। অদুগা উনগে হাঙ্গনা হোৎনরকপা মতমদা অতুক্কী মতিক ঙৈথাই-থিনগাইবা থেংনবগা উননীংবগী খোবাংবা অদুসু অতুক্কী মতিক কনখৎলকই। রুক্মিণীগা শ্রীকৃষ্ণগা লোঙ্গননা লৈমিন্নবদা স্বকীয়া-কান্তা ওইবনা বেদ-ধর্ম্মদা, মীগী ধর্ম্মনা, চংনরোন ব্যবহারদা করিসু অথিংবা অকাঙ্গবা লৈতে, খ্বাইপূম্নমকসু য়ুম অংতদা অতুম পুন্না লৈমিন্নে, মরম অতুনা উনবা মতমদা করিসু তপনবা লৈতে, অতুনা উননাংবগী খোরাংবসু করিসু লৈতে।

মরম অসিনা স্বকীয়া কান্তাগা উনবদা নুংঙাইবদি লৈ হাঙ্গববু অঙকপা ফংনা নুংঙাইবদি লৈতে, স্বকীয়া কান্তাদি ইনাই-লাইনা ফডি অতুনা লাঙ্গনা ফংবা পোৎ উনবদা নুংঙাইবনী ঈংহৌবনপা লৈতে। পেৎ অদু ফংনবা হোৎনবদা য়াম্না রানা হোৎনরগা উচিন-নাচিন্না ফংবা ওমজবা, অদু ওইরবদি ফংবা মতমদা হাঙ্গনীংঙাই লৈতনা নুংঙাইজে, হবাওজে। পরকীয়া-নায়ক-নায়িকাগী মতমদা, খ্বাইদৌনা লোঙ্গননা লৈমিনবদি বেদ-ধর্ম্মনা, মীগী ধর্ম্মনা, চংনবানা যাদে, নিন্দা লৌনৈ। মীনা নিন্দা তৌবা থোঙং অসিদা উননবা হোৎনবদা ঙৈথই-থিনগাইবা অপনবা য়াম্না লাকই। অদুগা পরকীয়া নায়ক নায়িকাদি অমগা অমগা মৈ-মহে উননীংবনী খোবাংখিবনা বেদধর্ম্ম, মীগীধর্ম্ম, চংনবা, ঙহল-লমনগী অদিবা পূন্নমক থোশাদে। যাম্না কন্না চেননা ঈশি ঈচেন ওহুবু, লেখাংদা থিংবা নতনদা ঈশিং অদু অসুম অসুম য়াম্না চাউথৎলকই, অদুগুমনা য়াম্না খোরাংনা ওাইনরিবা পোংশক অতুদা তপনবা পাকরবদি নায়ক-নায়িকাগী উননাবগী খোবাংবা অদু অসুম অসুম হেনগংলকই, নমিত্তম অপনবা পীনিবা অদু লাম্বোক্তনা উনবা ফংলবদি মাতুদা নুংঙাইবা অদু হাঙ্গনী ঙাই লৈতে। অতুনা স্বকীয়া ভাবতগী পরকীয়া ভাবনা চাংদম্নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা হেন্না। প্রেমগী ঈথন কাবা হেন্না। মতৌ অসুম্না নিংথিজবদা অঙকপা পরকীয়া ভাব অসি প্রকট-ব্রজলীলাদা নত্তনা অতোপ্পা করিগুম্বা ধামদা লৈতে—বৈকুণ্ঠদসু লৈতে, দ্বারকাদসু লৈতে, গোলোকতসু লৈতে (মথক্কী পয়ার ১৬ কী টীকাদা য়েংবিয়ু)।

মাসিগী মরমদা থোদোক অনতং নিংথিনা য়েংবিযু। হায়েঙজত্রিবা পূন্নমক অসি শ্রীকৃষ্ণগা অপ্রাকৃত-লীলা (অচম্বা নত্তনা) গী রা ডাকুনি, মরম অদুনা পয়ার অসিদা স্বকীয়া ভাবতগী পরকীয়া ভাবনা ফজবা হেনবগী রা ডাকুনা হায়রে, মাসি শ্রীকৃষ্ণগী অপ্রাকৃত-লীলাগী মরমদনি; অচম্বা-প্রাকৃত মায়ানা পুথরবা নায়ক-নায়িকা উনবগী মরমদা নত্তে। অচম্বা

গৌর-কৃপা-টীকা

(প্রাকৃত) নায়ক-নায়িকাগী (নীপা-নুপী) মরমদদি স্বকীয়া ভাবতগী পরকীয়া ভাবনা হেন্না ফজবা মুংঙাইবা লৈতে, নুংঙাইতবা অসি মী পুম্নমক্না খঙনরিবনি। মরমদি, পরকীয়া ভাবতা অচম্বা (প্রাকৃত) নায়িকাগা প্রাকৃত-নায়কা লোঈননা লৈমিন্নরুবদা মুংঙাইবা ফংলবসু মাহু মনৈথংদা হন্দক্কী মপোক অসিদা মীনা নিন্দা তৌই, পুক্নিং অন্নাবা ফংঙি, লম্মথাংদা শিবা য়াওই ; অদুগা হয়েংমুক্কী মপোক্তসু নরক তারুই, অদুনা য়াম্না ন্নানা মপোক অদু লেপ্পী। নৈনম্বিবা পয়ার অসিদা পরকীয়া ভাবপু রস কৌই হাঈরি ; তৌইগুম্বসুং অলঙ্কার-শাস্ত্রগী মতুংইম্না প্রাকৃত (অচম্বা) পরকীয়া ভাবপুদি রসকী মনুংচন্না শিংথানদে।

"উপনায়ক-সংস্থায়াং মুনিগুরুপত্নী গতায়াঞ্চ। বহুনায়ক-বিষয়ায়াং রতৌ চ তথাহনু-ভয়নিষ্ঠায়াম। প্রতিনায়কনিষ্ঠত্বে তদ্বদধমপাত্র-তির্য্যগাদিগতে। শৃঙ্গারেহনৌচিত্যমিতি। উ, নী, নায়ক ভেদ। ১৬। লোচনরোচনীধৃত-সাহিত্যদর্পণবচনম॥" শৃঙ্গার-রস-পু-নিন্দা তৌরিবদি, প্রাকৃত (অচম্বা) ঔপপত্য (লোন্না মীখঙহন্দনা চান্নবা) বুনি, পয়ার অসিদা হাঈন্নিবা পরকীয়া ভাব অসিদি অচম্বা ঔপপত্য নত্তে। কাস্তা ভাবনা, ফিবমগী মতুংইম্না পরকীয়া ভাব ওন্নী।

হংবিবা য়াই, অপ্রাকৃত ব্রজলীলাদা ঔপপত্য-ভাবপু কয়ম্না রসকা মনুংদা শিংথাগদগে ? অপ্রাকৃতগা থানদবু ঔপপত্যবু লৌখৎকদ্রা ? মসিগী পাওখুমাদ :—শ্রীউজ্জ্বল-নীলমণিদা হাঈরি—"লঘুত্বমত্র যৎ প্রোক্তং তত্তু প্রাকৃত-নায়কে। ন কৃষ্ণে রসনির্য্যাসস্বাদথমবতারিণি॥—ঔপপত্য ভাবপু নিন্দা তৌনরিবা তুক্কচনম্নিবা আসদি অচম্বা মায়াজগৎ প্রাকৃত নায়ক্কী মফমদনি হাঈনা রস-শাস্ত্রদা শিংথারি ; মসকা মহাও চুপকে হাঈহুনা অবতীর্ণ তৌরিবা শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা নত্তে। নায়ক ভেদ। ১৬॥" মাতুগী মরমদি অসিনি, থাঙ্গৈশংবা মায়া—জগৎকী ঔপপত্যদি ফত্তবনি, হৌনদবনি ; তৌইগুম্বসুং ব্রজলীলাগী ঔপপত্যদি থাঙ্গৈশংবা নত্তে (মথক্কী পয়ার ২৬ কী টীকাদা য়েংবিয়ু) ; ব্রজদা স্বকীয়াবু পরকীয়ানি হাঈনা লৌনবতনি ; ব্রজসুন্দরীশিংদি শ্রীকৃষ্ণগী নিত্য-স্বকান্তানি ; মখোঈনা স্বকীয়া ওইনা শ্রীকৃষ্ণগা উনবদা মুংঙাইবগী রস পোকপা অদু, পরকীয়া ভাবনি হাঈনা থনখিহুনা রস অদু অমুক হেন্না লংখৎলকই। প্রকট-ব্রজলীলা নত্তনা অতৈ করিগুম্বা স্বকীয়া কান্তাদা পরকীয়া ভাবনি হাঈনা থন্নবা উদে ; মরমদি, অতৈ করিগুম্বা মফমদসু স্বকীয়াবু পরকীয়া ভাবনি হাঈনদে, মীওইবা ঐখোঈগী সমাজদসু পরকীয়া চংনদে, লৈত্তে।

পরকীয়াগী মরমদা কনা কনাগুম্বনা অয়ুম্না হাঈনবা অমা লৈ ; মাহুদি :— শ্রীকৃষ্ণদা পরকীয়া ভাবনা সেবা তৌবদা অখিংবা-রৈথাইবা অমা, য়াম্না কুংনা লৈপা অসিনা রসকী

ব্রজবধূগণের এই ভাব নিরবধি।
তার মধ্যে শ্রীরাধায় ভাবের অবধি॥ ৪৩

অর্থ :—

ব্রজগী নৌশিংগী ভাবতি মপান নাইদবনি।
মখোঙ্গী মনুংদা রাধাগী ভাবনা ওমখৈনি॥ ৪৩

গৌর-কৃপা টীকা

মরমদদি য়াম্না লংঙি, অসিগুমত্থুনা সংসারদা যুমপান্দুনা মচা-মগুনচিংবা লৈমিন্নরগা শ্রীকৃষ্ণবু নাংজনীংদুনা কনাগুম্বনা ভক্তিগী লম্বি থিজরকপদা ইমুং-মনুংগী মীশিং অদুনা য়াম্না অপনবা পীবা য়াওই, মতৌ অসুম্না অপনবা মৈখাইবা পীবা-পীনা মী অদুনা প্রাণ-নাথগী সেবানি হায়দুনা মিকুপ খবদং শ্রীকৃষ্ণগী নাম তাবা, শ্রবণ-কীর্ত্তন তৌজবা অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা অদুম ওইবা মীশিং অদুবু খোবাংনা ভাইদুনা লৈ, গোপীশিংবু ভাইবদৌনা। মতৌ অসিমু পরকীয়া গুম্বনি হায়রৈ। মণি, মুক্তাদগী হেন্না মমল য়াম্বা পুন্সিগী থন্নাইগী লল—থিবা চংপা মতমদা, মীনা খান্নগা য়াকম খোকপ্রা? খোক্তে।

৪৩। ব্রজগী নিংথিজবীশিংগী মনুংদতা পরকীয়া ভাব অসি লৈবা ওই, মখোঙ্গী মনুংদা শ্রীরাধিকা মাতামদনা ভাব অসিনা অবোইবা ওমখৈ (চমনসীনা ফংবা ওমী, অতে ব্রজ সুন্দরীশিংগী ভাবতি অবোইবা ওনখো নোংপোক্কী মতাই ফাওবদা চংসিন্নি। মাদনাখ্য-মহাভাবনা প্রেমগী অবোইবা ওমখৈনি (সীমানি)। শ্রীরাধিকাগী প্রেম্না মাদনাখ্য—মহাভাবকী খমথেংবা ফাওবা অমসুং অতৈ গোপীশিংগী প্রেম্না মাদনাখ্য—মহাভাবকী নোংপোক্কা ওমখৈ ফাওবা চংসিন্নে।

'ব্রজগী মৌশিংগী—ব্রজগোপীশিংগী। মৌ শব্দনা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবীশি অদি, অতোপ্পা গোপশিংদা লোহাংলুরে হায়রগা নীংনা, অসুম হায়না নাংনবা অসিনা মখোয়গা পরকীয়া ভাব অদু সিদ্ধ ওই। ভাবতি কান্তা ভাবতি, মধুর ভাবতি। ওমখৈ সাক্ষাৎবা পন, সীমা, মাদনাখ্য মহাভাব। প্রেমগী অবোইবা থাক্তি মাদনাখ্য—মহাভাবনি, শ্রীরাধাগী প্রেমদি মাদনাখ্য মহাভাবকী খমথেংবা সীমা ফাওবা যোই, মাদুনা শ্রীরাধিকাগী প্রেমদি অওকপগী মশক ওই। অতে গোপীশিংগী মনুংদা মাদনাখ্য—মহাভাব লেপ্লে, মাদনদি নত্তবা অতোপ-অতোপ্পা প্রেমগী থাক্তি যোই। মাদন রসকী খুদমদি : মিকুপ খুদিংগী উজনীংবা ভাইহাক্তা মিকুপমুক্তা উদবদা যুগ ১০০ উবা ফংদবদৌনা বাবা অদু মাদনগী মওংনি। মাদন রস অসি সম্ভোগকা নতমদতা (উনরিভৈদতা) ওইবনি, বিপ্রলম্ভদা ওইদে। উ : নী, ৮১৯ লামাই।

প্রৌঢ় নির্ম্মল ভাব প্রেম সর্ব্বোত্তম।
কৃষ্ণের মাধুরী আস্বাদনের কারণ॥ ৪৪

অর্থ ঃ—

মপুং ফারবা অশেংবা ভাব প্রেম্না অথোইবনি।
কৃষ্ণগী মাধুর্য্য মহাও লৌনবগী উপায়নি॥ ৪৪

গৌর-কৃপা টীকা

৪৭। শ্রীরাধাগী প্রেম অসি অমুকস্থ অণ্ডকপা অথোইবা অমা লৈরি। প্রেম অতুনা অসুব অসুম চাওখৎলক্তুনা মাগী মশাগী মুংঙাইনবা ৱাখন থাদোকখিতুনা পূম্নমক্তগী অথোইবা ওইরকই; অতুনা শ্রীরাধাগী প্রেমতনা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য (পুক্লিং হূবা) মপুং ফানা লৌবা ঙম্মী।

প্রেম-কায়ননবগী মরম ফোংফোং-শানা লৈরবস্তু শ্রীরাধা-গোবিন্দগী ভাব অনিনা পুনসিন্দুনা লৈখিবা অতুদা কাইহনবা ঙমদবা অতুগুম্বা মও অতুবু প্রেম কৌই। "সর্ব্বথা ধ্বংসরহিতং সত্যপি ধ্বংস কারণে। যদ্ভাব বন্ধনং যূনোঃ স প্রেমা পরিকীর্ত্তিতঃ॥ উ, নী, স্থা, ৪৬॥ ভাব অনি পুনশিনখিবগী মরুদি অমগা অমগা মুংঙাইহন্নবা পেলহন্নবা নীংনবননি; শ্রীকৃষ্ণবু মুংঙাইননবগী পেননবগীদমক শ্রীরাধিকানচিংবীনা অমসুং শ্রীরাধিকানচিংবাবু মুংঙাইনবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা নীংঙী, অপুম্না নীংনবা অসি পুক্নিং তিন্নহনা তৌরিবনি; প্রেমগী মশক্তি। ব্রজ সুন্দরীশিংগী প্রেম অসি অসুম চাওখৎলক্লগা করম তৌরকপগে হাঙ্গবদা মিকুপ অমতং লাপথোকপদা থাঙবা ঙমদে, ফিবম মওং অদুম তৌরকপা মতম অতুবু প্রৌঢ়-প্রেম কৌই। "প্রৌঢ়ঃ প্রেমা স যত্র স্যাদ্বিশ্লেষ স্যাসহিষ্ণুতা। উ, নী, স্থা, ৫২॥ প্রৌঢ়—মপুংফারবা। অশেংবা—অরুবা; মশাগী মুংঙাইনীংবা থাদোকপা। ভাব-কৃষ্ণগী পেম্নবা তৌনীংবা, রতি। অথোইবনি—পূম্নমক্তগী অহেনবনি। দাস্য-সখ্যনচিংবা ভাবতগী কান্তা ভাবনা অথোঙ্গবনি; কান্তা ভাবকী মনুংদগী অমুক শ্রীরাধিকাগী য়াম্না মপুং ফারবা শ্রীকৃষ্ণগী মুংঙাইনবগীদা হোৎনরবা প্রেম অতু অথোইবনি। শ্রীরাধিকাদতা প্রেমগী মপুং ফাবা ওই, মরম অসিনা শ্রীরাধাগী প্রেম্না শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য মপুং ফানা ফংনবগী (থক্লনবগী) উপায় ওই (মরম ওই)। "এঁগী মাধুর্য্যাদি নিতিগী ইনৌতা নৌই। ভক্তনা মশাগী প্রেমগী মতুংইন্না চাঙ্গী। ১। ৪। ১২৪॥" শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গবনি।

অতএব সেই ভাব অঙ্গীকার করি।
সাধিলেন নিজবাঞ্ছা গৌরাঙ্গ শ্রীহরি ॥৪৫

অর্থ

মরম অদুনা ভাব অদু ওইগে হায়না খন্না ।
অনীংবা অহুম পাঙথোক্রে গৌরাঙ্গ হরিনা ॥৪৫

গৌর-কৃপা টীকা

৪৫। মথক্কী পয়ার ৩৭ না হাইজখবে, শ্রীকৃষ্ণনা ভক্তভাব ওইগে হায়না খন্না শ্রীগৌরাঙ্গ ওইনা অবতীর্ণ ওই। মহাক্কী বখল্লা ভক্তগী ভাব ওইগে হায়না খন্নখিবগে, মখোয় পয়ার অসিদ হায়জরি। পুম্নমক্কী মথাংইরা ওইবা মহাক্কী মাধুর্য্য (নিংথিজবা পুক্নিং শুমহৎপা) অদু মহাও লৌনবগী (চুপ্পনবগী)দমক শ্রীকৃষ্ণনা অপম্বা পোকখি, মাদু ফংনবগীদমক পুম্নমক্কী অথেইবা (অহেনবা) প্রেমগী প্রয়োজন ওই (দরকার লৈই)। পয়ার ৩৮ ৪৩ দ প্রশ্নবাবন উহনবিখরে, শ্রীরাধাগী প্রেমতনা পুম্নমক্কী অথোইবা নিংতমনা শ্রীরাধাগী প্রেম অদুমক্তা মপু ফানা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য আস্বাদন তৌই (তৌবা, য়বপা) ঙম্ম। মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী ভাব লৈইদুনা মহাক্কা অপাম্বা (অনীবা) অদু ফংখি খুরি।

মরম অদুনা শ্রীরাধিকাগী প্রেম পুম্নমক্কী মথোংবা হাইদুনা অমসুং মপু ফানা শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্য আস্বাদন তৌনবগী মরম ওই হাইদুনা। মাদু মতু শ্রীরাধিকাগী ভাব অদু। পাঙথোকপা মপ ফারে, সিদ্ধ ওইরে। অনীশুবা মশানা পামজবা, নত্রবা, শ্রীশগী মাধুর্য্য চুপকে হায়না নীঙ্ক। শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য মপ থানা চুপ্প নবা ভাব অদু ওইগে হায়না খন্নদুনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইদুনা মহক নীংবা মঙ্গলে মপুং ফারে। খ্রী ভাসিনা খঙনবিবদি শ্রীকৃষ্ণনা নবর্ষা (মাশাগী নিংথিবা) চুপ্পনবগীদমক ইকুংবা মহারা নীখি (খাথন লৌখি)। গৌরাঙ্গ হরি গৌরাঙ্গ শ্রীকৃষ্ণ, শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং না চৌরাব। শ্রীকৃষ্ণগী মহৌশাগী কুচুদি অমুবনি (শ্যামলা), গৌর (অঙৌবা) নতে, (বাদেংখোইনা মপানগী কচুনিস্থ হায়নে), শ্রীরাধাগী ভাব লৌদুনা মহক্কা নীবা অদু থুবগী নতমদা অঙৌবা কুচু (সনা অহিংবা কুচু) ওইখি, মাদু "গৌরাঙ্গ হরি" হায়না বৈঃ শ্রীকৃষ্ণগী খঙবা ঙম্মা। মরম অসিনা শ্রীরাধাগী ভাব লৌখিবগা লোয়না-লোয়ননা মহাক্কা শ্রীরাধাগী

তথাহি স্তবমালায়াং প্রথম-চৈতন্যস্তবে (১ম চৈতন্যাষ্টকে)২

সুরেশানাং দুর্গং গতিরতিশয়েনোপনিষদাং
মুনীনাং সর্ব্বস্বং প্রণত পটলীনাং মধুরিমা।
বিনির্য্যাস প্রেম্নো নিখিল পশুপালাম্বুজদৃশাং
সচৈতন্যঃ কিংমে পুনরপিদৃশোর্য্যাস্যতি পদং ॥৬

গৌর-রূপ টীকা

গৌবকান্তিদ্ন (সনা অহিংবগী কুচুম্ন) লৌখরে অমসুং লৌবিবা কুচু অহুনা মহাকা মহৌশাগী শ্যাম কান্তিবু (অমুবা বুচুবু) বুপসিন্দুনা গৌরাঙ্গ ওইখবে, অসুম হাঙ্গীনসু খঙনৈ মতুংগী অহানবা শ্লোকা শ্রীকৃষ্ণনা রাধাগী ভাব লৌবগী প্রমাণ অমসুং অনিশুবা শ্লোক্ত শ্রীরাধাগী কান্তিনা মহাক্কী শ্যাম-কান্তিবু কুপখিজুনা গৌরাঙ্গ ওইবগী প্রমাণ পীজবি।

শ্লো।৬। অন্বয়। সুরেশানাং (ইন্দ্রনচিংবা লাইশিংগী) দুর্গং (লানবন চিংনবা ...মকম), উপনিষদাং (শ্রুতি পুম্নমক্কী) অতিশয়েন (অমতা ওইনা অথোইবা) গতি (পান্দল, মিংশ্লং), মুনীনাং (মুনিশিংগী সর্ব্বস্বং (লল ওইবা), প্রণতপটলীনাং (ভক্ত পুম্নমক্কী) মধুরিমা (মাধুর্য্য, নিংথিজ) নিখিল-পশুপালাম্বুজদৃশাং (বজগী গৌ পুম্নক্কী প্রেম্নো (প্রেমগী) বিনির্য্যাস (অচিং এক) সঃ অসুম ওইবা) চৈতন্যঃ (শ্রীচৈতন্য) পুনঃ অপি (অমুক) কিং (করি) মে (ঐ) দৃশোঃ পদং (মিযেংগী লম্বিন নাইদনা) যাস্যতি (উবা ফংজকখিগদবা—চংলকখিগদ্রা)?

অনুবাদ। ইবুংঙো নাওতোন্দা, ইন্দ্রনচিংবা লাইশিংগী মসমদা লানবনগী মতোংগুম্না চিন। লৈতবা মকম ওইবা, শ্রুতি—পুম্নমক্কীনা অমতা ওইবা পান্দল মিংশ্লং ওইব, মনিশিংগী থমোইগী লল ওইনা থুকমজরিবা ভক্তশিংগী নকন্দা মাধুর্য্য স্বরূপ পুক্রিং হুনবা ...শক্ত ও ব অমসুং মিংতা ফজবা ব্রজগী নৌশগী প্রেমগী মর্ম ওইবা, অসুম ওইবা শ্রীচৈতন্যবু ঐনা অমুক উজবা ফংজব খিগদবা? ৬।

দুর্গ লৈপাক্কী বৌইশিন্দুনা নিংথিনা থান্না লৈরবা মকম। লানবন্দা চাংদুনা লৈবদি যেক্কননা চংশক্কনি হাঙ্গীনগী থিবা তৈত্রে, মথম অহুনা লানবন তাসি থুদোংথীবা লৈতবা মক্নি। শ্রীচৈতন্যবু ইন্দ্রনচিংবা লাইশিংগী শানবানি হাঙ্গীবিবনি। হাঙ্গীবিবসিগী মা মচংদি ইন্দ্রনচিংবা লাইশিংনা শ্রীচৈতন্যদা সংজরবদ হিংচাবাশিংনা লান্দাবক্কনি হাঙ্গীবগী কারিগুম্বা অকিবা চিংনবা অমতা লৈতাবে, মথোঙ্গনা থুদোংথীবা লৈগনা লৈজবা ভমজরে।

তথৈব দ্বিতীয়স্তবে (২ য় চৈতন্যাষ্টকে, ৩)—

অপারং কস্যাপি প্রণয়িজনবৃন্দস্য কুতুকী
রসস্তোমং হৃত্বা মধুরমুপভোক্তুং কমপি যঃ।
রুচং স্বামাবব্রে দ্যুতিমিহ তদীয়াং প্রকটয়ন্
স দেবশ্চৈতন্যাকৃতিরতিতরাং নঃ কৃপয়তু ॥ ৭

গৌর-কৃপা। টীকা

উপনিষদামিত্যাদি—শ্রুতিনা (উপনিষৎ) শাস্ত্র পূন্নমক্কী মরানি, মাকোক্লি। শ্রুতি পূন্নমক তোঙান—তোঙাল্লবস্থ মকুদদি পরতত্ত্ব অমতনি ; অদুম ওইবা পরতত্ত্ব অদু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনি ; মরম অসিনা মহাক্না শ্রুতি পূন্নমক্কী অমতা ওইবা পাঙ্গলনি, চংজকল্লি। সর্ব্বস্ব—লল, শেন-থুম পূন্নমক। শ্রীচৈতন্যনা মুনিশিংগী মরনদা (মফমদা) শেন-থুন্নচিংবা সম্পত্তি পূন্নমক ওই ; হন্দক্কী মপোক্ত অমসুং হয়েংমুক্কী মপোক্তা ফংজনীংল্লিবা লল্ আথোইবা পোংশক অসি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবতনি। প্রণতপালীনাং—খুরুমজরিবা মীশিংগী হাঙৈবদি ভক্ত-শিংগী। মধুরিমা—মাধুর্য্য, ফজবা, নিংথীজবা। ভক্তি—রাণীগী কৃপাদগী ভক্তশিংনা ভগবন্মাধুর্য্য (ভগবানগী নিংথীজবা) আস্বাদন তৌনবগী (চুপ্পা ফংনবগী) মতিক চাবা ফিবম ওইরক্লবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী শ্রীবিগ্রহগী মাধুর্য্য ফংজবা উজবা ওস্মী। প্রেম্নঃ নির্য্যাসঃ—প্রেমগী মচি, প্রেম্ন কুংশি কপা। মাদনাখ্য—মহাভাবনা কান্তা প্রেমগী কুংশিল্লক-পা অরোইবনি। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু প্রেম অদুগী মহাংগী মশক্কি হাঙৈবা অসিনা খঙনরিবদি মহাক্কী মশা পূন্নমক অদু মাদনাখ্য-মহাভাবনা পূম্চোং চোংপনি, ইদুংগো মহাক্তি মাদনাখ্য-মহাভাবকী ইফোং-যেংবা বিগ্রহনি (হকচাংনি)। ১।৮। ১৫৩-১৫৬ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু। শ্রীকৃষ্ণনা রাশকুনা শ্রীরাধাগী মাদনাখ্য মহাভাব ওইগে হাঙৈখিবা অদুনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওইরবে হাঙৈবগী প্রমাণ শ্লোক অদু অসিনি।

৫।।৭। অন্বয়। কুতুকী (রাল্লা হরাওদুনা) যঃ (মহাক, শ্রীকৃষ্ণ) কস্য অপি (কনাগুম্বী) প্রণয়িজন বৃন্দস্য (চাল্লবী থিবিকী, শ্রীরাধাগী) কমপি (করিগুম্বা—শিংথাবদা-ঙমদবা) অপারং (মপাম্লাইদবা) মধুরং (নিংথিজবা, অথুম্বা) রসস্তোমং (রস পূন্নমকপু) হৃত্বা (হুরান্দুনা)

গৌর-কৃপা টীকা

উপভোক্তুং (চাগে হাযবগীদমক) ইহ (জগৎ অসিদা) তদীয়াং (মাদুগা মবী-লৈবা—শ্রীরাধাগা মবী লৈবা) দ্যুতিং (কান্তিব, কুচবু) প্রকটযন (পুথোক্তুনা) স্বাং (শ্রীকৃষ্ণ মশাগী) রুচং (কুচবু) আবব্রে (কুপশিল্লে) সঃ (অদুম ওইবা) চৈতন্যাকৃতিঃ (শ্রীচৈতন্যগী শকযম দেবঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) নঃ (ঐখোইবু) অতিতরাং (যাম্না) কৃপযতু (কৃপা তৌবিসন্নু)।

অনুবাদ। ইবুংঙো মহাক্না যাম্না হুবাওনা চান্নবী ময়ামগী মন্নুংদা কনাগুম্বী অমগী (শ্রীরাধাগী) মপান্নাইদবা অমস্তুং শিংথাবদা ওমদ্রবা নিংথিজবা বস—পূন্নমকপু হুবান্দুনা চাগে হাঈবগীদমক মথোঈগী (হাঈবদি, অদুম ওইবা শ্রীরাধাগী) কান্তি কুচু পুথোক্তুনা (ফোংদোক্তুনা) মহাক্কী শ্যাম কান্তিবু (অমবা কুচবু) কপাসিনখবে, অদুম ওইনা চৈতন্যগী মশক ওইবা ইবুংঙোনা (শ্রীকৃষ্ণনা) ঐখোযব ওাকপিসন্দ '৭।

প্রণযিজনবৃন্দ—কৃষ্ণগী চান্নবী ব্রজসুন্দবী পূন্নমক। শ্রীকৃষ্ণনা বজসুন্দবী পূন্নমক্কী বস পূন্নমক হুবাল্লম্মী, অসুম হাঈনা শ্লোক্তা হাঈরম্লে। তৌইগুম্বস্থং থাঈশেংনা খ্নাঈনা খণ্ডনবিবদি, শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী ভাব—তমক লোই, গোপী পূন্নমক্কী ভাবতি লৌদে, অদুম ওইনমক শ্লোক অসিদা ব্রজগোপী পূন্নমক্কী ভাব লৌই হাঈবম্বগী মনমদি অস্তুম্ন। ওইবমগনি নীংজে মাদুদি, ব্রজগোপী পূন্নমক্কী মন্নুংদা হাঈবা বাত অসিনা শ্রীরাধাস্থ মন্নংচনখ্র হাঈনা লৌগনি অমস্তুং শ্রীরাধানা অতৈ ব্রজগোপী পূন্নমক্কী মরুনি মংকাক্কি, অদুনা শ্রীরাধাগী ভাব অসিদা গোপী পূন্নমক্কী ভাবস্থ মন্নংচনখাব। মবন অসিনা ব্রজগোপী পূন্নমক্কী ভাব হাঈববস্থ শ্রীরাধাগী ভাবপু খণ্ডনবে। গোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী মবমদা—লৈবিবা—প্রেমবস অদু চাগে হাঈনা খল্লুবদা শ্রীকৃষ্ণনা যাম্না হুংওাইবম্মী। অমদি, প্রণযিজন বৃন্দস্য কস্যাপিগী অম্বযদা—শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী ব্রজগোপীশিংগী মন্নুংদা কনাগুম্বী অমগী বস পূন্নমক হুবাল্লম্মী। মযম অসিদা হাঈবিবা কনাগুম্বী অমগী, মহাক্কী বস পূন্নমক্না অতৈ চান্নবী পূন্নমক্কগী হেন্না পাম্বা ব্রা অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী-মংকোক, শ্রীরাধাব্ন খণ্ডনৈ—শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী বস পূন্নমক হুবাল্লম্মী। কনাগুম্বা হুবানবা অমনা ইংখোল অমদগী হুদুনা হৈনৌ চানীংলবদি অহানবদা হুবানবা অদুনা মাগী মশা পূন্নমক অদু কুপসিন্দুনা হাঈবদি ইনসিন্দুনা ইংখোল অদুদা ফমদুনা হৈনৌ অদু চাঈ, মাদুদা ইলাই-লাইনা মীনা মাবু হুন্নানবনি হাঈবা খুদক্তা খণ্ডবা ওমদে, অন্নাম্নদগী উবদি ইংখোল অদুগী মপুনি হাঈনা নীংঙী।—অদুগুমদুনা শ্রীকৃষ্ণস্থ গোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী—মবমদা লৈবিবা বস পূন্নমক অদু চানীংবনা খৌবাংদুনা,

ভাব গ্রহণ-হেতু কৈল ধর্ম্ম-স্থাপন।
মূল হেতু আগে শ্লোকে করি বিবরণ॥ ৪৬
ভাব গ্রহণের এই শুনহ প্রকার।
ত'-লাগি পঞ্চম-শ্লোকের করিয়ে বিচার॥ ৪৭

অর্থ :—

ভাব লৌবগী, ধর্ম্ম লিংখৎপগী মবম হাঙ্গৈখ্রে।
মরু ওইবা মবম্না মমাংগী শ্লোক্তা হাঙ্গৈখ্রে॥ ১৬
বাধাভাব লৌখিবগী মতৌ অসি তাবিয়ু।
মাত্তুগীদমক মঙাশুবা শ্লোক্তা বিচাব তৌবিয়ু॥ ৭০

গৌর-কৃপা টীকা

মখোঙ্গী বস পূন্নমক অত্থু হবাল্লুবগা ফাবক্কনি হাঙ্গৈবগী কিবনা মখোঙ্গী (শ্রীবাধাগী) গৌবকান্তি (সনামচু মানবা) না মশাগী শ্যাম কান্তিব (অমুবা মচুবু) কুপসিন্দুনা মশা লোংশিল্লে। সনা-মচু মানবনা হকচাংবু কুপসিন্দুনা শ্রীকৃষ্ণনা বস অহু চাবদা মী অচম্বনদি মাবু শ্রীকৃষ্ণনি হাঙ্গৈবা অহু খঙনা ঙমদবে। ১।৩।১০ শ্লোক টীকা যেংবিয়ু।

শ্রীকৃষ্ণনা গোপীশিংগী (শ্রীবাধাগী) ভাব লৌহুনা মশাগী ওইবা বস চাঙ্গৈ অমস্তু মহাক্না শ্রীবাধাগী গৌবকান্তি (সনা মচমানবা কুচু) না মশাগী শ্যাম কান্তি (অমবা মচু)বু কুপসিন্দুনা মন্নু মুবগা (অঙ্গ,কুচ) মপান্দ সনা-মচু মানবা কুচু (বহিরঙ্গীব) ওইবে হাঙ্গৈবা অহু শ্লোক অসিনা হাঙ্গৈবি। শ্রীকৃষ্ণন শ্রীবাধাগী কুচু (কান্তি) গৌবাঙ্গ ওইবে, হাঙ্গৈবত্তুগী প্রমাণ শ্লোক অসিনি।

৭৬। ভাব লৌবগী মবম—অতোপ-অতোপ্পা ৬ক্ত মযাম লেবগ শ্রীকৃষ্ণনা কবিগী বাধাগী ভাব লৌবিবা মাত্তুগী মবম। বাধাগী ভাব লৌবে হাঙ্গৈবসিদি মথক্কী পযাব ৪৪ দা ফোংদোকচখবে। মশাগী মাধুর্য্য চুপ্পনা (চাবন) শ্রীকৃষ্ণগী মরুওইব মবম ওইবম্মী, শ্রীরাধাগী ভাব লৌবা নত্তনদি মরু ওইবা মবম অহু মপুক্কানা থুংবা ঙমদে হাঙ্গৈহুনা মহাক্না রাধাগী ভাব ওইগে হাঙ্গৈন ব্রাশকখি (যাখি)। ধর্ম্ম লিংখৎপা—যুগ-ধর্ম্ম, নাম-সঙ্কীর্ত্তন ফজনা লিংখৎপা। মথক্কী পযাব ৩৬ তা ধর্ম্ম লিংখৎপগী রা হাঙ্গৈজখবে। মরু ওইবা মবম — মরুওইবা অপাম্বা, বাধাগী ভাব লৌগে হাঙ্গৈন যাব। মমাংগী শ্লোক্ত —মথক্ত হাযখ্রবা শ্লোক্তা, (শ্রীরাধায়াঃ প্রণয়-মহিমা অসিনচিংবা শ্লোক্ত।)

গৌর-কৃপা টীকা

৮৭। বরি পামহুনা শ্রীরাধাগী ভাব লৌরিবনো মাহু "শ্রীরাধায়াঃ প্রণয়মহিমা' অসিনচিংবা শ্লোকতা হাঙ্গীরে, অদুগা মঙ, করম তৌহুনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী ভাব লৌখিবগে, মাহু কোংদাগী তুন অহানবদা "রাধা কৃষ্ণ প্রণয়বিকৃতিঃ অসিনচিংবা শোকতী বিচার তৌরি।

রাধা ভাব লৌবগী মঙ —শ্রীকৃষ্ণনা মঙং করম তৌহুনা শ্রীরাধাগী ভাব লৌখিবগে (হাঙ্গীবদি লৌবা ঙমখিবগে) মাহু হাঙ্গীজরি তাবিয়ু। মী খ্বাইনা উনরি, মী অমগী ভাবপু অতোপ্পা মী অমনা হেক লৌব ঙমদে, কিবম অসিদ শ্রীকৃষ্ণনা মঙং করম্না শ্রীরাধাগী ভাবপু লৌবা ঙমগদাগ. মাহু হাঙ্গীজরি তাবিধু। মাহুগীদাক—শ্রীকৃষ্ণনা মঙং করম্না ভাব লৌবগে হাঙ্গীবহু কোংদাকে হাঙ্গবগীদমক। মঙাশুবা শোক্ত —অহানবা মতাংগী মঙাশুবা শ্লোক্তা, "রাধা কৃষ্ণ প্রণয়বিকৃতিঃ অসিনচিংবা শোকতা। বিচার তৌবিধু—মঙাশুবা শ্লোকতী অর্থদা হাঙ্গীবি, শ্রীরাধাগী ভাব লৌবদা শ্রীকৃষ্ণনা মতিক চানা ঙমকম থোকই বিচার তৌহুনা যেংবিধু।

কবিরাজ গোস্বামীনা মঙাশুবা শ্লোকতী বিচার তৌবগা খঙহনবিরি, শ্রীরাধা অমসু শ্রীকৃষ্ণ অনি অসি তত্ব অমতনি থেন্নদবনি থেন্নদ্রবসু লীলারস চুপ্পনবগীদমক অনাদি কালদগী প্রলয়গী মমাংদগী তত্ব অমতা ওইবা অদুনা, শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা অনি ওইহুনা ডাপ্পি (১।৮।৫৫)। বরি কবিগুপ্ত মফমদা থাঙ্গৎশংনা হাঙ্গনরি—শ্রীরাধাগী ভাব-কুচু লৌহুনা শ্রীকৃষ্ণনা গৌর (অঙৌব) ওইরে। অনি অদু তিনসিন্নদ্রবদি অমগী ভাব অমসুং কুচু অদু অতাপ্পা অমনা লৌবা ঙমদ, মতম অদুদা ভাব-কুচু লৌগনি হাঙ্গীবা বা অদুন অনি তিন্নবে হাঙ্গীব খঙনবে। কুচু ওইবনসু মশক অনি অদু তিন্নবে—হাঙ্গীবা খঙনবে। শ্রীকৃষ্ণনা মশাগী মাবুং অদু চুপ্পবগীদমক শ্রীরাধাগী ভাব যাম্না ওইজনীংবনি, কুচুদি দরকারবু লোতে। কুচু ঙৌবা অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মঙ্গ ওইনা পাম্বা নাও, মশাগী মাবুং চুপ্পনা মরম্ন ওইবনি। অদুনা শ্রীরাধাগী ভাব লৌননবগীদমক কুচুঙৌবী শ্রীরাধাগা তিন্নহুনা অমতা ওইবা তারে, মাহুদা কুচুসু লৌবা তারে, মরম অদুনা মহাক্না গৌরাঙ্গ (হকচাং ঙৌবা) ওইবরে। মরম অদুন শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী কুচু ঐকংগী মরমদি—শ্রীরাধাগা তিন্নখিহুনা অমতং ওইখিবনানি। বা অমনা শ্রীশ্রীগৌরসুন্দর মশামক্না শ্রীলরামানন্দ রায়গী মফমদা হাঙ্গীখি—"এগী হকচাং অসি হান্না মাহৌশান ঙৌবা নাত্তে, রাধাগী মশাগা তিন্নহুনা ঙৌবনি। রাধাসু শ্রীকৃষ্ণ ওন্নবদি অতোপ্পা মী হুঠমদা শোন্তে॥ রামানন্দ রায়দা রসরাজ—মহাভাব অনিনা অমতা ওইবা অদু উহনখি।

এই ত পঞ্চম শ্লোকের কহিল আভাস।
এবে করি সেই শ্লোকের অর্থ প্রকাশ ॥

অর্থ

মথক্কীসিনা চাওরকপা হাঙ্গিরে শ্লোক মঙাগী।
হৌজিক অর্থ ফোংদোকচরি শ্লোক অহুগী ॥৪৮

তথাহি শ্রীস্বরূপগোস্বামি—কড়চায়াম্—
রাধা কৃষ্ণপ্রণয়বিকৃতির্হ্লাদিনী শক্তিরস্মা—
দেকাত্মানাবপি ভুবি পুরা দেহভেদং গতৌ তৌ।
চৈতন্যাখ্যং প্রকটমধুনা তদ্দ্বয়ঞ্চৈক্যমাপ্তং
রাধাভাবদ্যুতি সুবলিতং নৌমি কৃষ্ণস্বরূপম্ ॥ ৮

অর্থ :—

রাধা—কৃষ্ণ এক-আত্মা, দুই দেহ ধরি।
অন্যোন্যে বিলসে, রস আস্বাদন করি ॥৪৯
সেই দুই এক এবে চৈতন্যগোসাঞি।
রস আস্বাদিতে দোঁহে হৈলা এক ঠাঁই ॥৫০

অর্থ :—

রাধা—কৃষ্ণ হবচাং অনি আত্মা অমতনি।
অনিহু রস চুপ্পনে শান্নমিন্নবনি ॥৪৯
অনি অদুনা হৌজিক চৈতন্য গোসাঞি ওইরে।
রস চুপ্পনবা অনিনা অমতা ওইরবে ॥৫০

গৌর কৃপা-টীকা।

৪৮। মথক্কীসিনা মথক্কা হাঙ্গাববা মন্ত্র অসিনা। চাওবাকপা—ইপৌ-পেরে ত্য
হৌজিক—মফম অসিদা। শ্লোক অহুগী—মঙাশুব শ্লোকী

শ্লোক। ৮। অন্বয়নচিংবা অহানবা মতাংগী শ্লোক মঙাশুবদ য়েংবিয়ু।

৪৯—৫০॥ "রাধা কৃষ্ণ প্রণয়বিকৃতিঃ" অসিনচিংবা শ্লোকী চাওবাকপা মন্ত্র ফোংদোকচবি পযাব অনিসিদা। রাধা কৃষ্ণ আত্মা অমতনি—শ্রীরাধা অমসুং শ্রীকৃষ্ণ আত্মা (থবাই) অমতনি। শ্রীরাধা অসি শ্রীকৃষ্ণগী হ্লাদিনী শক্তিনি, শক্তি অমসুং শক্তিমান খেন্নদবা

গোৰ-কৃপা-টীকা

মৰম্না শক্তি শ্রীৰাধাগা শক্তিমান শ্রীকৃষ্ণগা খেন্নদে, অমতনি। ৰাধা অসি কৃষ্ণগী থৱাই ওইবা মৰম্না থৱাইগা হকচাংগা মতৈ-মনাও ওইবা যাদে থৱাইগা হকচাংগা মুংশিনবদি মশানা ওইজবনি। পদ্মপুৰাণ পাতালখণ্ড কৌবা লাইৰিক্তা উবা ফংডৌ, শ্রীশিবনা নাৰদদা হায়ৰি—"ৰাধিকা পৰদেবতা। সর্ব্বলক্ষ্মীস্বৰূপা সা কৃষ্ণাহ্লাদস্বৰূপিণী॥ ততঃ সা প্রোচ্যতে-বিপ্র হ্লাদিনীতি মনীষিভিঃ॥ সা তু সাক্ষান্মহালক্ষ্মীঃ কৃষ্ণো নাৰায়ণঃ প্রভুঃ। নৈতযোৰিব দ্যতে ভেদং স্বল্পোহপি মুনিসত্তম॥ ৫০।৫৩—৫৫॥" শ্রীশিবনা হায়ৰিবা ৱাহৈ অসিদগী খঙবা ঙম্মী শ্রীৰাধা অসি শ্রীকৃষ্ণগী হ্লাদিনী শক্তিনি তমস্তং অনিগী মৰক্তা খজিক্তম্থ খেন্নবা লৈতে আত্মা থৱাই অমতনী। মাযাগী মতৈ-মনাওদি নত্তে। মথক্তা হায়ৰিবা পুৰাণ অতুগী অতোপ্পা মফম অমদগী উবা ফংডৌ স্বয় শ্রীৰাধানা নাৰদদা হায়ৰি—"অহঞ্চ ললিতা দেবী ৰাধিকা যা চ গীযতে॥ অহঞ্চ বাসুদেবাখ্যো নিত্যং কামকলাত্মকঃ। সত্য যোষিৎস্বৰূপোহহং যোষিচ্চাহং সনাতনী॥ অহংচ ললিতা দেবী পুংৰূপা কৃষ্ণবিগ্রহা। আৱযোৰন্তৰ নাস্তি সত্য সত্যং হি নাৰদ। ৫৪।৫৭—৫৮॥ যেংবিযু ৰাধিকা হায়বগা খঙনৰিবা এহাকনক্তা ললিতা দেবী ওই নিত্যকামকলাত্মক বাসুদেবসু এহাকমক্তি। এহাক থাঙ্গৎশংবা নুপীগী মশকি, এহাক সনাতনী বম্নানি অমসু ললিতানা নীপা ওৎগা শ্রীকৃষ্ণ ওই। হে নাৰদ! শ্রীকৃষ্ণগা ঐগা কনিস্থ গেন্নদে। হায়ৰিবা ৱা অসিনা মাসিমস্থ খঙনৈ শ্রীৰাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা ভেদৰস্থ হকচাংদ অনিৰে৷ৱ পুথোক্ল। মখাঙ্গ অমস্থং মখাঙ্গীগী লীলাদি নিংগনি জগৎ শেমদ্রিৰৈদনা (সৃষ্টি তৌদ্রিবৈদগী) মখাঙ্গ অনি হকচা অনি ওইন অমুম লেৰম্নৰনি অমুন্নস্থ খঙনৰে। পদ্মপুৰাণগী পাতাল খণ্ডদস্থ পাৰ্ব্বতীগ মফমদা শ্রীশিবনা শ্রীৰাৰাবু "কৃষ্ণাত্মা—শ্রীকৃষ্ণগী আত্মাগী থৱাইনা মশক্তি হায়ৰম্মী। ৮৬।৫৫। অতুনা মখাঙ্গ অসি মশক অমতনি হায়ৰিতুনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীৰাধাগী ভাব লৌবা ঙম্লাবনি। মী অনি অমগা অমগ মান্নদ্রবদি অমগী ভাব অতু অমনা লৌবা ঙমদ, মৰমদি, মখাঙ্গ অনি খেন্নবা মৰম্না মখাঙ্গীগী পুৰ্ক (মন) স্থ লৌন্নে, ভাব (ৱাখল) অসিদি পুক্লিংগী মতু ইনবনি, অতোপ্পা পুক্লিংগা ভাবদু লোপ্ন তোগান্না তাফম থোকই, মৰম অসিন মী অমগী ভাব অতু অতোপ্পা মী অমগী ভাবকা চপ মান্নবা যাদ। তৌইগুম্বস্থ শ্রীৰাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা মমুংগী শকফম খেন্নবা মী নাও হায়ৰিতুন অমনা অমগী ভাব লৌসিন্নবা ঙম্মী।

মাসি শ্লোকতা যাওৰিবা "একাত্মা নৌ হাইগী ৱা মচংনি। ৰাধা-কৃষ্ণ অসিগী হকচাং—ৱাহৈসি "ভূৰি-পুৰাদেহ ভেদং গতৌ তৌ ৱাহৈগী মঙ্গনি। শ্রীৰাধা অমস্থং শ্রীকৃষ্ণ মহৌশানা আত্মা অনগা ওইবাস্থ মখাঙ্গী হকচাংগা খেন্নবা লৈত্রবস্থ সৃষ্টিগা মনাংদগী যুগ হৌদ্রিভৈদগী

গৌর কৃপা-টীকা

(অনাদি কালদগী) হকচাং অনি অস্তুম শুত্নন লৈবকবনি। মখোঙ্গী অনিনা হকচা অনি শুকবগী মবম অত্তু অবোইবা পযাবদা হাঙ্গীখবে। লীলাদা অমগ অমগা লীলা শান্নবদা। বস চুপ্পা যানবা-লীলা বস চুপ্পা যানবা মখোঙ্গীনা হকচাং অমমম পুথোক্তুনা লীলা শান্নে। লীলা শান্ননবগীদমক হকচাং অনি পুথোক্লিবনি, মবমদি, হকচাং অমতনা লীলা শান্নবা যাদে। মাযাগী বাংবদা শান্নবা লীলানি। হৌজিক—কলিযুগ অসিদা। চেতন্য গোসাঞি-শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা অনিনা তিন্নবা হকচাং অত্ত শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনি (১।৫।২০ শ্লোককী টীকাদ যেংবিয়) ববিগী মখোঙ্গী অনি তিন্নত্নুনা অমত ওইবিবানা? পাওখুম-বস চুপ্পনবা-বস চুপ্পনবগীদমক মখোয অনি তিন্নত্নুনা অমতা (হকচা অমতা) ওইখিত্নুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইবিবনি। বস চুপ্পনবগীদমক হকচাং অনি পুথোক্লবস্তু হকচাং অনি অত্নুনা বস চুপ্পা মপুংফাদ্রি হাযত্নুনা, হকচা অনি অত্নুনা বস চুপ্পদা বাংহৌবিবা শকক অত্তু অপুনবা হকচাং অমতন চুপত্রবদি যাদে. মপু যাদে হাঙ্গীত্নুনা হান্নগী হকচাং অনি অত্ত তিনসিন্নখিত্নুনা শ্রীচৈতন্য ইবুংঙো ওইখবে। বস মচাং লৌবদা মপু যানবগীদমক শ্রীরাধা কৃষ্ণগী তোঙান-তোঙানবা হকচাং অনি লৈহনবস্তু দববাবনি অংগা অনিন তিনসিন্নখিবা হকচাং লৈহনবস্তু দববাবনি, মবমদ হকচা অনিন মচাং লৌবিবা বস অত্তু হকচাং অমতনা লৌবা ঙমদে. অত্তগা হকচা অমতন চাবব বস অত্তু হকচা অনিন চাবা যাদে মবম অসিনা লীলা মখল অনিমক্কী বস চাবগা মপু-যাবা ওই। অনি—শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা। অমতা ওইবাব—হকচাং অমতা ইবব।

হাঙ্গীদোকপদা নমল যাম্না বানি, হকচাং অনি অত্নুন মংমথব বস চুপ্পনুগা মতুংদা তিনসিন্নখিত্নুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইত্নুনা হকচাং অমতা ওঙ্গীত্নুনা লৈব বাবে, অদ ওইববদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী লীলা অসিদি অনাদি অমসুং নিত্য (অপেম্ল) ইত্নুনা লৈবা যাদবে। শ্রীকৃষ্ণগা শ্রীরাধাগা অনাদি কালদগী লেবত্নুন্না, মখোঙ্গী অনিনা তিন্নবা হকচা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যসু অনাদি কালদগী লৈ (কলিযুগতা থোকপদনি) মবমদি, শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অসি শ্রীকৃষ্ণগী আবির্ভাব (সাইওন) মখল অমনি (১। ৩। ১০ শ্লোকী টীকাদ যেংবিয়), শ্রীকৃষ্ণগী আবির্ভাব মশক মখৈ নিত্যনি (মাওবা লৈতবনি। অনাদি কালদগী লেবিবনি। "সর্ব্বে নিত্যাঃ শাশ্বতাশ্চ দেহাস্তস্য পরাত্মনঃ। ল, ভা, পৃ, ৮৬।। ১। ৩। ১১ পয়ারগী টীকাদা যেংবিয়। মবম অত্নুনা শ্রীরাধা গোবিন্দগী হকচা অনি তত্নুন শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য লেখ্রবসু মহৌশাগী অনি অত্তু অমুক মাওবা লৈতে অবেম্লা ওইদুনা অদম বৃন্দাবনদ লেদন লৈবি। প্রেম ভক্তি লৈবা বৈষ্ণবগী মফমদা শ্রীমূর্ত্তি-সেবা ফংহনবিবি।

হ্লাদিনী করায় কৃষ্ণে আনন্দাস্বাদন।
হ্লাদিনী-দ্বারায় করে ভক্তের পোষণ।। ৫৩

অর্থ

কৃষ্ণবু নুংঙাইবা মহাও পীনৈ হ্লাদিনীনা।
ভক্তবু নুংঙাইনবা যোকপী হ্লাদিনীনা।। ৫৩

সচ্চিদানন্দ-পূর্ণ কৃষ্ণের স্বরূপ।
একই চিচ্ছক্তি তাঁর ধরে তিনরূপ।। ৫৪

অর্থ

সচ্চিদানন্দনা থনবা কৃষ্ণগী মশক্তি।
চিচ্ছক্তি অমতনা শক অহুম পুথোকপনি। ৫৪

গৌর-কৃপা টীকা

৫৩। হ্লাদিনীগী লক্ষণ হাঙ্গতবি। হবাংহনবা নত্রগা নুংঙাইহনবা ওস্মী হাঙ্গতুনা শক্তি অত্তগী মমিং হ্লাদিনী কৌই, হ্লাদিনীনা শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইবগী মহাও পীনৈ অমসুং ভক্তশিংগীসু নুংঙাইবা চাওথৎহল্লী।

নুংঙাইবা মহাও পীনৈ—হ্লাদিনী-শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইবা খওহল্লী, থোইদোকহেন্দোকপদি শৃঙ্গার-রসগী নুংঙাইবা পীতুনা শ্রীকৃষ্ণবু হবাংহে। শ্রীরাধা "কৃষ্ণ হ্লাদস্বরূপিণী।। পদ্ম পু, পা, ৫০। ৫৩।। মহাক "সুরতোৎসবসংগামা। প, পু প, ৪৬। ২৫।।' হ্লাদিনীনা—শ্রীকৃষ্ণনা ভক্তবু হ্লাদিনীনা পাম্বে ওইতুনা যোকপী। ভক্তিনু মশা নোইংন্দুনা ভক্তব যোকপনি। হ্লাদিনীগী ফজবা মমিং অমা ভক্তি কৌই, শ্রীকৃষ্ণগী কৃপাদগী ভক্তগী থামোইদা ভক্তি অসি মমিৎ পাওভী। অত্তগা শ্রীকৃষ্ণন মতম লৈবা খিবিক্তা মহাক্কী স্বরূপ-শক্তি হ্লাদিনীবু, ইবুংঙো মহাক্কী ভক্তগী থমোইদা লৈহল্লী, হ্লাদিনী শক্তিনা ভক্তগী থমোইদা লৈবগা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা তৌবদা মনিং থুংভী (প্রীতিসন্দর্ভ ৬৫ ।।), শ্রীকৃষ্ণনা পেনবিবা অসিনা ভক্তনা পামজবিবা ভাব অত্ত মশা নোইবা হেন্নী, মাতুদা ভক্তগী নুংঙাইবা চাংথৎলকই, শ্রীকৃষ্ণনা মতৌ অসুম তৌতুনা হ্লাদিনীনা পাম্বে ওইরগা ভক্তবু যোকপীবি।

৫৪। স্বরূপ-শক্তিগী মশক হাঙ্গজবি। সচ্চিদানন্দনা থনবা—সৎ, চিৎ অমসুং আনন্দ পোৎশক অহুম অসিনা থল্লা লৈবা। সৎ রাহৈনা থওনবনা অফবা, অরেম্বা, হৌজিকমক লৈরিবা পোৎপু থওনৈ; চিৎ-রাহৈনা থওনবদি চৈতন্যবুদ্ধি পুন্নমকপু থওবা, মায়াগী রাংমদা লৈবা পোৎপু থওনৈ, শ্রীকৃষ্ণগী মশক্তি, সৎ, চিৎ অমসুং আনন্দ (নুংঙাইবা) না থনবনি,

গৌর-কৃপা টীকা

হায়বদি অফবা, অরেপ্পনা থল্লবা, বুদ্ধি, চৈতন্যনা থল্লবা অমসুং নুংঙাইবনা থল্লবা। অফবা পূম্নমক্কী, চৈতন্য, বুদ্ধি লৌশিং পূম্নমক্কী অমসুং নুংঙাইবা পূম্নমক্কী থোবকফম মহাক অদুনা শ্রীকৃষ্ণনি। শ্রীকৃষ্ণদি সংসারগী মাযাগী রাংমদা লৈবা চিদ্বস্তু-লৌশিংচনবা (রাখল্লা লাম্বা ফংবা) পোৎনি, মরম অদুনা মহাক্কী স্বরূপ। লৈবা শক্তিসু মায়াগী রাংমনি চিন্নযানি। অদুনা স্বরূপ-শক্তির চিৎ-শক্তিসু কৌই।

শ্রীকৃষ্ণ—চিৎকী মশক্তি, জ্ঞানতত্ত্বগী মশক্তি, মাযাগী রাংমদা লৈবা পোৎনি। চিৎ অসিনা অমক নুংঙাইবা (আনন্দ) গী মশক অমসুং সৎ-কী মশক ওই। সৎ-রাহৈনা মাঙবা লৈত্রবা হৌজিকমক লৈবিবা অফবা পোৎশকপু খঙনৈ, চিৎ-কৌবা পোৎ অসি শ্রীকৃষ্ণনি, সৃষ্টিগী মমাংদগী, অনাদি কালদগী অমাঙবা লৈতনা স্বযং-সিদ্ধ ওইদুনা ডান্দুনা লৈববনি, মতৌ অসিদা মাব অরেপ্পা পোৎশক্তি হায়বদা প্রমাণ ওইবে, অদুনা করিগুম্বা মফমদা পোৎ লৈবিবা পূম্নমক অদুগী অরেপ্পা থোবকফম মহাকদি শ্রীকৃষ্ণনি, মরম অসিনা চিদবস্তু শ্রীকৃষ্ণদি সৎ-স্বরূপনি (অরেপ্পা মশক্তি)। অদুগা চিদবস্তু ওইবিবা অসি স্বযং নুংঙাইবনি, নুংঙাইবা পূম্নমক্কী থোবকফম মহাকনি, মরম অসিনা চিৎস্বরূপ শ্রীকৃষ্ণনা নুংঙাইবগী মশক (স্বরূপ) সু ওইরে। মতৌ অসুম্ব চিদবস্তু অমত্তগ সৎ-সু অমসুং নুংঙাইবসু ওইরে। সৎ, চিৎ অমসুং আনন্দ (নুংঙাইবা) অদুম অসিগী মনুংদা অমম অতাপ্পা অনিদগী খাইদোকপা যাদে। অমনা লৈবা মফম অদুদা অতাপ্প অনি অদুসু শোয়দনা হেক্কা মরৈরে, মখোয় অদুম অমগা অমগা মরী লৈনবনি অমসু লৈকম তিন্নবা অসি করিগুম্বা যুগতসু কায়নবা লৈখিদরে। মহাক্কী যাম্না পিক্রব অংশসু সৎ অমসু আনন্দনি।

সৎ-স্বরূপ অমসু, আনন্দ-স্বরূপ চিৎন শ্রীকৃষ্ণ ওইবে, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ লৈবিবা শক্তিনা ওইবে। চিৎকী শক্তি হায়বদি চিচ্ছক্তি—চৈতন্যময়ী শক্তি। মাসি নিবা নাইব (জড়রূপা) মায়াশক্তিগী রাংমনি চৈতন্যরূপিণী শক্তিনি (লৌশিংগী শক্তিনী)। চিৎস্বরূপ অসি শ্রীকৃষ্ণগী মশাদা স্বরূপ লৈবিবা শক্তি অদুগী সাধারণ মমিংনি হায়দুনা চিচ্ছক্তি অমদি স্বরূপ-শক্তি হায়না খঙনরে।

চিৎকী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণ অসি পোৎ এমতনি মহাক্কী স্বরূপ। লৈবিবা চিচ্ছক্তি অদুসু অমত্তনি, মরম অদুনা পযার অসিদা "চিচ্ছক্তি অমত্তনা হায়রিবনি। তেইগুম্বসু চিচ্ছক্তি অমতা ওইরগসু মহাক্কা মথল অদুম থোক্না কোন্দোকই। শকলোন অদুম পুথোকপনি—মগুৎ অদুন থোক্না ফেংদোকপনি।

আনন্দাংশে হ্লাদিনী, সদংশে সন্ধিনী।
চিদংশে সংবিৎ-যারে 'জ্ঞান' করি মানি॥ ৫৫

অর্থ:

আনন্দ-না হ্লাদিনী সৎ-অংশনা সন্ধিনী।
চিৎ-কী অংশনা সংবিৎ ওই—মানা 'জ্ঞান' ওইবনি॥ ৫৫

গৌর-কৃপা-টীকা

৫৫। স্বরূপ-শক্তিন মও অহুম থোক্লা পুথোকপগী রা হাঈজবি। মখোঈগী মমিং—হ্লাদিনী সন্ধিনী অমসুং সংবিৎ। সচ্চিদানন্দনা থনবা শ্রীকৃষ্ণগী সৎ—অংশগী শক্তিগী মমিং সন্ধিনী হাঈবদি শ্রীকৃষ্ণগী চিচ্ছক্তিনা মহাক্কী সৎ—কী মাইকৈবোমদা হেন্না ফোংদোকপা মতমদা অকবা, অবেপ্পগা মবী লৈনবা মশক ওই, মতম অদুদা মাবু সন্ধিনী—শক্তি কৌই। শ্রীকৃষ্ণগী চিৎ-অংশগী শক্তিগী মমিং সংবিৎ কৌই—শ্রীকৃষ্ণগী চিচ্ছক্তিনা মহাক্কী চিৎ-কী মাইকৈবোমদা ফোংদোকপা মতমদা চিৎ-কা মবী লৈনবা মশক ওই, মতম অদুদা মাবু সংবিৎ-শক্তি কৌই। অদুগা মহাক্কী আনন্দাংশগী মমি হ্লাদিনী হাঈবদি চিচ্ছক্তিনা নুংঙাইবগী মাইকৈবোমদা হেন্না ফোংদোকপা মতমদা নুংঙাইবগা মবী লৈনবা মশক ওই, মতম অদুদা মহাকপু হ্লাদিনী-শক্তি কৌই।

নুংঙাইবগী শবক্কা (আনন্দ অংশনা) হ্লাদিনী—সচ্চিদানন্দনা থনবা শ্রীকৃষ্ণগী "আনন্দ" কৌবা অংশ অদুগী শক্তিগী মমিংদি হ্লাদিনী শক্তি কৌই। সৎ—অংশনা (সদংশনা) সন্ধিনী—সচ্চিদানন্দনা থনবা শ্রীকৃষ্ণগী অংশগী মমি "সৎ" কৌই, অংশ অদুগী শক্তিগী মমিং সন্ধিনী শক্তি কৌই। চিৎকী অংশন (চিদংশনা) সংবিৎ—সচ্চিদানন্দনা থনবা শ্রীকৃষ্ণগী অংশগী মমিং "চিৎ" কৌবা অংশ অদুগী শক্তিগী মমি সংবিৎ-শক্তি কৌই। মানা—সংবিৎনা জ্ঞান ওইবনি—সংবিৎকী মতেংনা থওবা ওম্বগী থবক পাংথোকই হাঈদুনা সংবিৎপু 'জ্ঞান' নি হাঈনা হাঈনৈ হাযবদি জ্ঞান কৌই।

শক্তি অহুম অসিগী মনুংদা সন্ধিনীদগী সংবিৎনা অমসুং সংবিৎতগী হ্লাদিনীনা হেন্নী। "অত্র চোত্তরোত্তরত্র গুণোৎকর্ষেণ সন্ধিনী সংবিৎ হ্লাদিনীতি ক্রমো জ্ঞেয়ঃ। ইতি বিষ্ণু পুরাণ্ডা হাঈবা হ্লাদিনী সন্ধিনী সংবিন্নচিংপা (১।১২।৬৯) শ্লোক্কী টীকাদা শ্রীধর স্বামীনা তৌনা। মাগী অস্পন্না হ্লাদিনীনা শক্তি পুন্নমক্তগী হেন্নী, মরম অসিনা হ্লাদিনীনা শক্তি হেনবা অসিনা মমি অহানবদ ওইবা। ইনমাল্লে নী ভী।

গৌর-কৃপা টীকা

সন্ধিনী, সংবিৎ অমস্থুং হ্লাদিনীগী মশক খণ্ডনবগী য়া খবা হাঙ্গজবে। হৌজিক শক্তি অহুম অসিনা তৌবা থবক মবম খবদং হাঙ্গজবি।

শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং মুংঙাইবা মপু ওইবগস্থু মহাক মশাবু অমস্থুং অতোপ্পবু মুংঙাইহল্লিবা অদুগী মমিংদি হ্লাদিনী কৌই। শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং জ্ঞানগী মশক ওইবগস্থু মহাক মশাবু অমস্থুং অতোপ্পবুস্থু জ্ঞান তাহল্লিবা খঙহল্লিবা অদুগী মমিংদি সংবিৎ কৌই। অদুগা শ্রীকৃষ্ণনা স্বযং সৎ-কী মশক ওইবগস্থু মহাক মশাবু অমস্থুং অতোপ্পবু সৎ ওইহল্লিবা হাঙ্গবদি অফবা, অবেপ্পা ওইহল্লিবা অদুগী মমিং সন্ধিনী কৌই। "ভগবান সদেব সৌম্যেদমগ্র আসীদিতাত্র সদ্রূপত্বেন ব্যপদিশ্যমানো যয়া সত্তাং দধাতি ধারযতি চ সা সর্ব্বদেশকাল দ্রব্যাদি—প্রাপ্তিকরী সন্ধিনী। তথা সম্বিদ্রূপোহপি যয়া সম্বেত্তি সম্বেদযতি চ সা সম্বিৎ। তথা হ্লাদরূপোহপি যয়া সম্বিদুৎ কর্ষরূপযা তং হ্লাদং সম্বেত্তি সম্বেদযতি চ সা হ্লাদিনীতি বিবেচনীযম। ভগবৎ সন্দর্ভঃ।১১৮।"

সৎ, চিৎ অমস্থুং আনন্দ (মুংঙাইবা) পোৎশক অহুম অসিগী মরুংদা অমনা অতোপ্পা অনিবু থাদোকপা যাদবা অদুগুম্না সন্ধিনী, সম্বিৎ অমস্থুং হ্লাদিনী শক্তি অহুম অসিস্থু (হাঙ্গবদি চিচ্ছক্তি অমতদগী ওইখিবা মও অহুম ওইবনা) অমগা অতোপ্পা অনিগা থাদোক্রবা য়াদে, চিচ্ছক্তি লৈবা মফম অদুদা হ্লাদিনী-সন্ধিনী-সম্বিৎস্থু শোঙ্গদনা হেক্রা মরৈবে। চিদনা ফোংদোকপা মফাদা চিচ্ছক্তিস্থু ফোংদোকই অমস্থুং চিচ্ছক্তিগী মওং অদুস্থু ফোংদোকই। মশাবু ফোংদোক্রবা পোৎশক অদুদি অতোপ্পবস্থু ফোংদোকই, প্রমাণ তৌকমদি মুমিৎনি—মুমিৎপু ফোংদোবক্রবদি অতোপ্পা পোৎস্থু ফোংদোবকই। চিচ্ছক্তিস্থু অদুগুম্না মশাস্থু ফোংদোকই, অতোপ্পা পোৎপুস্থু ফোংদোকপা ঙম্মী। হ্লাদিনী-সন্ধিনী-সংবিৎকা তিন্নবা চিচ্ছক্তিনা ওইবা মওং অদুবু অশেংবা সত্ত্ব কৌই। মাযাগা মরী ইলৈ-লৈনদবনা পোৎশক অদুবু অশেংবা (বিশুদ্ধ) সত্ত্ব কৌই। অশেংবা-সত্ত্ব অসিদা হ্লাদিনী, সন্ধিনী অমস্থুং সংবিৎ—শক্তি অহুম অসিনা লেঙদনা লৈরবস্থু মথোঙ্গনা ফোংদোবকপা অদু মতম পূম্নমক্তা চাং মান্নদে কবিগুম্বা মফম অমদনা অমনা হেনজিন্না লৈবা (ফোংদোকপা) যাওই। অশেংবা সত্ত্বদা সন্ধিনী-শক্তিনা হেন্না লৈবা মতমদা মাদুবু শক্তি অদুগী তুংফম কৌই, সন্ধিনীগী শক্তা হেন্না লৈবা মফমদি-ভগবদ্ধাম্মচিংবা অমস্থুং শ্রীকৃষ্ণগী মমা, মপা, ফমুং, আসন (ফিদা) থুকুম অসিনচিংবা মফমদনি। অশেংবা সত্ত্বদা সংবিৎ শক্তিনা চাং হেন্না ফোংদোকপা, লৈবা মতমদা মফম অদুবু আত্মবিদ্যা কৌই। আত্মবিদ্যাগী মথল অনি থোক্রা মও লৈ, মাদুদি—জ্ঞান অমস্থুং জ্ঞানগী মখোং চৌফম;

তথাহি বিষ্ণুপুরাণে (১।১২।৬৯)

হ্লাদিনী সন্ধিনী সংবিত্ত্বয্যেকা সর্ব্বসংস্থিতৌ।
হ্লাদতাপকরী মিশ্রা ত্বয়ি নো গুণবর্জ্জিতে ॥৯

গৌর-কৃপা টীকা

মাসিনা ঈশ্বরবু নীংজরিবা মীশিংগী জ্ঞান চাওখৎহল্লি। অশেংবা-সত্ত্বদা হ্লাদিনী শক্তিনা হেন্না লৈবা মতমদা মাহুবু গুহ্যবিদ্যা (অথুপ্পা অরোনবা বিদ্যা) কৌই। গুহ্যবিদ্যাগীসু মওং অনি থোক্লা লৈ, মাহুদি—ভক্তি অমসুং ভক্তিগী মথোঙ হৌফম; মাহুনা প্রেম-ভক্তি ফোংদোকই। অশেংবা সত্ত্বদা শক্তি অহুম অসিনা চাং মান্নবা লৈবা মতমদা মাহুবু মূর্ত্তি কৌই। "ইদমেব বিশুদ্ধ সত্ত্বং সন্ধিন্যংশ-প্রধানং চেদাধার শক্তিঃ সম্বিদংশ প্রধানমাত্মবিদ্যা। হ্লাদিনী সারাংশ প্রধানং গুহ্যবিদ্যা। যুগপৎ শক্তি ত্রয় প্রধানং মূর্ত্তিঃ।—ভগবৎ-সন্দর্ভ। ১১৬॥" শক্তি অহুম অসিনা হেক্তিন্না অশেংবা সত্ত্বদা ফোংদোকুনা লৈবা মতমদা ভগবানগী শ্রীবিগ্রহ ফোংদোকই হাঙ্গইদুনা মাহুবু "মূর্ত্তি" কৌই। "ভগবদধ্যায়াঃ সচ্চিদানন্দমূর্ত্তেঃ প্রকাশ হেতুত্বাৎ মূর্ত্তিঃ। ভগবৎ সন্দর্ভঃ॥" শক্তি অহুম অসিগী লৈফম মথল অনি থোকই—অহানবদা শক্তি ওইনা উবা ফংদবা (অমূর্ত্ত); অনিশুবদা শক্তিগী লৈফম ওইনা উবা ফংবা মফমদা (মূর্ত্ত) উবা ফংদবা মতমদা শক্তি ওইনা ভগবৎ বিগ্রহগা লোঙ্গননা আত্মা অমতা ওইদুনা লৈ। অহুগা উবা ফংবা মতমদা মূর্ত্ত লৈফম ওইনা মথোঙ্গনা ভগবৎকী লোঙ্গনবা ওইনা (পরিকর ওইনা) লৈ। "তাসাং কেবল—শক্তি মাত্রত্বেন অমূর্ত্তানাং ভগবদ-বিগহাৈক্যকাত্ম্যেন স্থিতিঃ, তদধিষ্ঠাত্রীরূপত্বেন অমূর্ত্তানাং তু তত্তদাবরণতয়েতি দ্বিরূপত্বমপি জ্ঞেয়মিতি দিক। ভগবৎসন্দর্ভঃ। ১১৮"

শ্রীকৃষ্ণদা হ্লাদিনীনচিংবা শক্তি অহুম অসি লৈ হায়বগী প্রমাণ ওইনা বিষ্ণু পুরাণগী শ্লোক অমতং উচ্চরি।

শ্লোক ৯। অন্বয়। [হে ভগবান] (হে ভগবান)! একা (অমতা ওইবা) হ্লাদিনী (হ্লাদিনী শক্তি) সন্ধিনী (শকবা, অরেম্বগা মরা লৈবা) সম্বিৎ (জ্ঞানগা মরী লৈবা) [শক্তিঃ] (শক্তি-পাঙ্গল) সর্ব্বসংস্থিতৌ (পুম্নমক্কী ভুংনফম ওইবা) ত্বয়ি (ইবুংগো নঙোন্দা) এব (লেপ্পনা) [অস্তি] (লৈ)। হ্লাদকরী (পুক্নিং হুংভাইহল্লিবী সাত্ত্বিকী) তাপকরী

গৌর-কৃপা-টীকা

(মায়াদা লুপ্পনা পুক্লিং হাবা পীরিবী তামসী) মিশ্রা (অনিনাত্তিনবা বিষয় ওইবা রাজসী) [শক্তিঃ] (শক্তি) গুণ বর্জ্জিতে (সত্ত্বনচিংব মায়াগী গুণ রাওদবা) ত্বয়ি (নংঙোন্দা) নো (লৈতে) ।

অনুবাদ । হে ভগবন ! ইবুংঙো নংগী নশক ওইবী হ্লাদিনী ; সন্ধিনী অমসুং সংবিৎ-শক্তি অহুম অসি নংঙোন্দা লৈরিবনি (তৌইগুম্বসুং জীবদদি লৈতে)। অদুগা পুক্লিং হরাওহল্লীবী সাত্ত্বিকী, বিষয়দা (মায়াদা) বাহল্লিবী তামসী অমসুং লুংঙাইবা অরাবা অনিনা তিনবা মায়া ওইবা রাজসী শক্তি অহুম অসি, মায়াচংদবা ইবুংঙো নংঙোন্দদি লৈতে, (তৌইগুম্বসুং জীবদি লৈ) ।৯।

হ্লাদিনী, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎ—অহুম অসি শ্রীভগবান-তদা মরৈ, জীবদা লৈতে (ত্বামী) ; তৌইগুম্বসুং অচৎবা জীবদা অচৎগুণগী মশক ওইবা শক্তি অহুম লৈ—মখোয়গী মমিংদি সাত্ত্বিকী, তামসী অমসুং রাজসী। মায়াগী মসুংদা লৈরিবা সত্ত্ব গুণগী শক্তিনা সাত্ত্বিকী শক্তি ; মাসিনা পুক্লিংগী হরাওনবা থোয়াং তৌই। মায়িক জগত্তা মায়াগী পোৎতগী জীব-না মায়াগী লুংঙাইবা ফংলিবা অসি, সত্ত্বগুণ অদুদগী থোরকপা সাত্ত্বিকী শক্তি থোরম্মনি (থবক্লি) - হ্লাদিনীগী থবক নত্তে। মায়িক—তমোগুণগী শক্তিনা তামসী শক্তি ওই। মায়াগী সংসার পান্থা অমসুং শেন-থুম্মচিংবা বিষয়গী মরমদা পুক্লিং বাহল্লিবা অসি তামসী শক্তিগী থবক্লি ; মরম অসিনা শক্তি অসিবু অরাবা পীবা শক্তিসু কৌই। মায়িক রজোগুণগী শক্তিবু রাজসীকী শক্তি কৌই। মায়া সংসারগী মসুংদা লৈরিবা লুংঙাইবা অদু ফংলুবদগী মাদুদগী থোরকপা মথল অমা ওইনা বাবা নত্রগা চাকপা ফংতি, মাদু রাজসীকী শক্তিগী থবক্লি ; মাদুদা সাত্ত্বিকী শক্তিগী মতৌগুম্না লুংঙাইবসু লৈ অদুগা তামসী শক্তিগী মতৌগুম্না অরাবসু লৈ ; মরম অদুনা মাদুবু তোৎনবা-তিন্নবসু কৌই। ভগবান্দা হাঈরিবা মায়িকী শক্তি অহুম অসি লৈতে, মরম অদুনা ইবুংঙো মহাক্তি মায়াগী রাংমদা লৈবনি, মায়িক গুণ মাঙোন্দা লৈতে।

মতাং অসিদা হংকম অমা লৈরে, শ্লোক্তা হাঈরি ভগবানন্দা "সর্ব্বসংস্থিতি" পুম্নমকী লৈরক্মি ; অমনা অমুক হাঈরি, ভগবান্দা হ্লাদিনী, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎ লৈ ; তৌইগুম্বসুং সাত্ত্বিকী, রাজসীকী অমসুং তামসীকী শক্তিদি ইবুংঙো মাঙোন্দা লৈতে। সাত্ত্বিকীমচিংবা শক্তি অহুম অসি মাঙোন্দা লৈত্রবদি করম্না ভগবান্দা পুম্নমকী লৈরক্মি

সন্ধিনীর সার অংশ—'শুদ্ধসত্ত্ব' নাম।
ভগবানের সত্তা হয় যাহাতে বিশ্রাম॥৫৬

অর্থ :—

সন্ধিনীগী মচিবু—শুদ্ধ-সত্ত্ব কৌই।
শ্রীভগবানগী পুরিংনা মাতুদা পোংথাই।।৫৬

গৌর-কৃপা টীকা

হাঙ্গৈকবিবনে ? পাউথুম :—শ্রীভগবান্দা পূন্নমক্কী লৈফম ওই হাঙ্গৈরুবা অতুনা সাত্ত্বিকীনচিংবা শক্তিগী লৈফমস্থ মাঙোন্দনি, হ্লাদিনীনচিংবগী মতৌগুম্না সাত্ত্বিকীনচিংবস্থ মাঙোন্দা চঙজে, মাসিদা খেন্নবিবদি অসিনি, হ্লাদিনীনচিংবদি ভগবানগী স্বরূপ শক্তি ওইবা মরম্না স্বরূপগী-খেন্নদে হাঙ্গৈতুনা—মহাক্কা লোঙ্গৈননা নফম খুদিংদা লিন্নবা লৈ। সাত্ত্বিকীনচিংবদি গুণগী শক্তি ওইবা মরম্না মহাক্কী স্বরূপ নাত্তে হাঙ্গৈতুনা—মহাক্কী মপানগী শক্তিনি হাঙ্গৈতুনা, হৈরবদি সংসারগী মাযা পকই হাঙ্গৈতুনা মাযা চন্দনা ভগবনবু শোকপা ঙমদে হাঙ্গৈতুনা—ইবুংঙো মহাক্কা তিন্নদতুনা লোঙাম্না ংতুনা লৈ। ভগবানগী যাম্না ঙকথবা রাখন্না লাম্বা ফংদবা শক্তিগীগুম্না গুণগী মশক ওইবা শক্তিগী লৈফম ওইবনস্থ শক্তি অতুদগী মহাক্কা য়াম্না লাপ্না লৈ, থাঙ্গেশেংব দ মাসি ঈশ্বর ওইবা নমন অতুনা মায়াগী রা মদা লৈবা ঙম্নি। এতদীশনমীশস্য প্রকৃতিস্থোহপি তদ্গুণৈঃ। ন যুজ্যতে॥ শ্রীভা, ১।১১।৩৯॥" হায়ান মনাদা (থম্নাদা) ঈশি, হাপ্পদা পঙ্কবগুম্না লৈ।

৫৬। সন্ধিনী—অবেপ্পবু ঙাক্লিবী শক্তি। মচিবু-কুংশিন্নকপা শরুকপু; খমথেংবা যৌন্নববু। শুদ্ধ সত্ত্ব—অশেংবা অবেপ্পা। মাতুদা পোংথাই—মাতুদা নুংঙাইনা লৈ।

সন্ধিনীগী মরূ ওইবা মচিগী শরুকপু মমিং শুদ্ধ সত্ত্ব কৌই। শুদ্ধ সত্ত্ব অসিদা ভগবানগী পুক্লিংনা অবেপ্পা ওইতুনা লৈ।

মথক্কী পযার ৫৫গী টীকাদা হাঙ্গৈথাব, হ্লাদিনী, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎ শক্তি অহুম অসিনা তিন্নতুনা ফোংদোক্লিবা অতুবু শুদ্ধ সত্ত্ব কৌই; শুদ্ধ সত্ত্ব অসিদা সন্ধিনী শক্তিনা হেন্না ফোংদোকপদা তুংফম শক্তি কৌই অমসুং তুংফম-শক্তি অতুদগী ভগবানগী ধাম-

গৌর-কৃপা টীকা

নচিংবা কোংদোকই - অপ্রকট ধাম অদুদ শ্রীভগবা.ন পোংথাই হাঙ্গীবদি নৈ। মথাব অসিদা য়াওবিবা 'শুদ্ধ-সত্ত্ব' রাহে অসিনা "তুংনফম পাত্র-শক্তি (লৈফম) ওইবা শুদ্ধ-সত্ত্ব" খঙলে। ভগবান্না লৈফম ওই নবা শুদ্ধ-সত্ত্ব অসিদা সন্ধিনীগী মচি ওইবা শকক লৈবে, হাঙ্গীবদি শুদ্ধ-সত্ত্ব অসিদা সন্ধিনী শকক্লা হেক্লা লৈবে।

পোংথাই—রাহে অসিনা মুংতাইনা লৈববু খঙলে—হাঙ্গীবদি লীলাবস চাদ্না মুংতাইনা লৈ। অদুনা মুংতাইনা লৈফম ওইবিবা শাম-শি অসি সন্ধিনীনা হেন্না লৈবা শুদ্ধ সত্ত্বনা ওনবনি।

ভগবানগী ধাম (মফম) অসি তুংফম-শক্তিনা ওনবনি অমসুং ভগবানগী বিভূ (লাই, বিষ্ণু) নি হায়দুনা মহাক্কী লৈফম ধামসু বিভূ (লাই,বিষ্ণু) নি—রাহে অসি শ্রীজীব গোস্বামীসু হাঙ্গীথি। "তদেবং শ্রীকৃষ্ণ লীলা স্পদত্বেন তান্যেব স্থানানি দর্শিতানি। তচ্চাবধাবণং শ্রীকৃষ্ণস্য বিভূত্বে সতি ব্যভিচারি স্যবত্র সনাদীবকে তেষাং স্থানানাং নিত্য-তল্লালাস্পদত্বেন শ্রবমাণত্বাং তদাধারশক্তিলক্ষণস্বরূপবিভূতিমবগম্যতে। শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভ। ১৭৩। —ধাম (লৈফম) পুন্নমক তুংফম (আধার) শক্তিনা ওনবনি হায়দুনা ভগবান স্বরূপ বিভূতিনি (স্বশক্তি) অমসুং মহাক্কা শক্তি হঙ্গীদুনা বভূনি (লাই, বিষ্ণুনি) মফম খুদিংদা লৈবা য়াগনি (চপা ওয়নি)।' ধাম পুন্নমক অসি ভগবানগী থাই দাকপ মশক অমনি হাঙ্গীবসি, শ্রুতিনা হাঙ্গী। নারদনা সনৎকুমারদা হংলী, হে ভগবন। অদুগা ওইবা পুরুষগী হেন্না চাউবা নীপা (ভূমাপুরুষ) অদু কদাংদা লৈরিগে? পাওখুমদা সনৎকুমারনা হাঙ্গীরম্মী—মহাক্কী মহিমা (মহিমায়) মথক্তা মশাক্তা (বিভূতিতে)। "স ভগবং কস্মিন প্রতিষ্ঠিত ইতি স্বে মহিম্নি ইতি। ছান্দোগ্য। ৭। ৪। ১॥" গোপাল তাপনী শ্রুতিনসু হাঙ্গী—"সাক্ষাদ ব্রহ্ম গোপালপুরীতি।"

ভগবানগী পোংথাকম হাঙ্গীরগা মহাক্কী লৈফম ধাম অসু খঙনগদবা নত্তে, গোকুল মথুরা দ্বারকা পুরী খঙনগনি। ববিগুম্না পোংথনা তুংফম ওইনা ভগবানগী থম্মী মচু অধার (তুংফম) শক্তিগী বিলাসনি। নিত্যাস নিংবা অপ্রাকৃত-অপ্রাকৃতগী আসন (ফিদা), যুগ, নপা, নমা, যমুনা পারা মতুং। অপ্রাকৃত-অপ্রাকৃত হাঙ্গীবসি - লোকলীলা নীওইন্গী লীলা (নরলীলা) দা শ্রীভগবানবু অপাক্কা থক্কা পঞ্জলা সংবা, মথাঙ্গী নচিংবা পুন্নমক অসি আধার শক্তিগী বিলাসনি (তুংফম শক্তিনা ওইনি)। মতুংগী পয়ারদা লন্দোয়া। পয়ার মতুংগী ১। ৪। ৬০ গী টীকাদা যেবিযু।

মাতা পিতা স্থানগৃহ শয্যাসন আর।
এ সব কৃষ্ণের শুদ্ধসত্ত্বের বিস্তার॥৫৭

অর্থ:—

মমা-মপা মফম ফিদা য়ুম্ ফমুং ওইবনি।
পূম্নমক কৃষ্ণগী শুদ্ধ-সত্ত্বনা ওনবনি॥৫৭

তথাহি (ভা ৪।৩।২৩)

সত্ত্বং বিশুদ্ধং বসুদেব শব্দিতং
যদীয়তে তত্র পুমান প্রাবৃতঃ।
সত্ত্বে চ তস্মিন ভগবান বাসুদেবো
হ্যধোক্ষজো মে মনসা বিধীয়তে॥১০

গৌর-কৃপা টীকা

৫৭। সন্ধিনীগী শক্তিগা হেন্না লৈরবা সত্ত্বনা ওনবা হরি করিগুণা পোৎচা ভগবান্না অরেপ্পা ওইনা থুংডাইনা লৈ, মাদু হাঙ্গীজরি।

মমা মপা— ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মমা-মপানি হাঙ্গনা নীংজরিবা মখোঙ্গী। শ্রীনন্দ-মহারাজ অমসুং মমা শ্রীযশোদা দেবী; শ্রীবসুদেবগা শ্রীদেবকীগা; শ্রীকৌশল্যাগা-শ্রীদশরথ মহারাজ নচিংবা। মফম—ধাম; গোকুলনচিংবা, বৈকুণ্ঠনচিংবা য়ুম - শ্রীকৃষ্ণগী (নত্রগা ভগবৎ—স্বরূপকী) লৈনবা য়ুম নত্রগা কুঞ্জনচিংবা। ফিদা—আসন সিংহাসননচিংবা ফম্নবা পোৎ। ফমুং—হিপ্নবা, তুম্নবা ফিদা। শুদ্ধ সত্ত্বনা ওনবনি—সন্ধিনীগী শক্তিগা হেন্না লৈবা শুদ্ধ সত্ত্বনা ওইবনি।

ভগবানগী মমা মপানচিংবা পূম্নমক অসি মহাক্কী আধার (তুংনফম) শক্তিনা ওইবনি। মমা-মপাগী লেংবান্নচিংবনা আধারগী মশক ওইদুনা ভগবানবু পায়া, শাম্নচিংবা মফমদা লৈ; ফমুংনচিংবা তুংনফমদা তুম্মী; ফিদাগী মশক ওইবা তুংফমদা মহাক্কা ফম্মী; পোৎ পূম্নমক অসিনা তুংফমগী আধারগী মশক ওইদুনা মতম ওইরকপদা শ্রীকৃষ্ণবু থম্মী; মখোঙ্গী সন্ধিনীনা হেন্না লৈবা শুদ্ধ সত্ত্বগী মশক ওইবা আধার শক্তিনা ওনবনি; মরম অদুনা মখোঙ্গনা শ্রীকৃষ্ণবু থম্না ঙম্বনি।

গৌর-কৃপা টীকা

অশেংবা সত্ত্বগী ভগবান লৈ হাঙ্গীবা প্রমাণ ওইনা শ্রীমদভাগবতকী শ্লোক অমতং উচ্চরি।

শোক। ১০। অন্বয়। বিশুদ্ধ (অশে ১) সত্ত্ব (ওত্ত্ব অশেপ্পা অকবা) বসুদেব-শব্দিতং (বসুদেব—শব্দনা খঙনবা), যৎ (মরম অহুনা) তত্র (মাহুদা অশেংবা সত্ত্বদা) অপাবৃত (বু সিনবা য ওদবা) পুমান (ন ন — ব সুদেব) ঈযতে (ফোংদোকই)। মে (ঐনা) শ্মিন (মাহুদা অশেংব সত্ত্ব দা) ভগবান বাসুদেব (ভগবানবাসুদেব) চ মনসা (পুন্নি না / বিবা যত ... সা কোই), হি মরম অহুনা) [স] (মহাক্না) অধোক্ষজ (ইন্দ্রিন উপা ব দ)

অনুবাদ। অশেংবা ওত্ত্ব (অশেপ্পা অযবনু) বসুদেব কৌই, মরম অহুনা, অপাবৃত পুরুষ (বাসুদেব) ... ওই অশেং সত্ত্ব অদুদা ফোংদোকই (পোকই)। মরম (মহাক্নানা) অদুম ওইবা অশেংবা সত্ত্বদা কো দাখিবা ভগবান্‌ বাসুদেববু পরিনা না জবি। মরম অহুনা ওইদি অধোক্ষজনি (অচপা ইন্দ্রিনা উবা ফংদ)।১০

... শ্রামি ... হাংবনি। ... হ্লাদনা, সন্ধিনা ... সন্ধিনী শক্তি ... ওত্তবু শুদ্ধসত্ত্ব কৌই। (মধ্য পযার ৫৫ ...) ... স্বরূপ শক্তি ... মহুদা অচৌবা সত্ত্ব খঙ্গিক ফাওব ... হাঙ্গীন ... (অশেপ্পা ওবা) বেই। ... হাঙ্গীবা খঙবনি। ... ভগবান ... ফে দবই, মরম অহুনা ... সত্ত্বশব্দনা অথবা শক্তিবু (হ্লাদিনী সন্ধিনী শক্তিনা হেংগো ...) অশেংবা সত্ত্ব) খঙবনি। ... শিনবিখিবা, ফোংদোকপিবি, ... বসু কৌই ... অহুবু দেব কৌই, বসুগী দেব ... বসুদেবনি, অন্তরবগী ... খঙনে। স্বরূপ-শক্তিগী ... ওইবনা ... ফোংদোকপা অহুম ... ভগবান (অত্র বিশুদ্ধ পদাবগত স্বরূপ শক্তি বৃত্তিত্ব স্বপ্রকাশত্ব শক্তি লক্ষ্যাত্বং ... —টীকায় শ্রীজীব)। বসুদেব শব্দত—বসুদেব হঙ্গীন হাঙ্গীনবা, ... "বিশুদ্ধ-সত্ত্ব" ... বিশুদ্ধ-সত্ত্ব মমি ... বসুদেব কৌই, শুদ্ধসত্ত্ব ... অমগী মামস্থ ... বিশুদ্ধসত্ত্ববু ... দেব ... বাব

গৌর-কৃপা টীকা

মবমগীনো ম'ন্থু হাঙ্গজবি ' যং'' নচিংবা য়াইদা। বিশুদ্ধ-সত্ত অসিদা কুপশিনবা য়াওদনা (মাযানা কুপশিনবা যাওদনা) ভগবান্' ফোংদোকই হাঙ্গইনা (লৈ হাঙ্গতুনা) অমসুং মশা ফেংদোকপা অহুন। ইং ন'গাশ্রী হাঙ্গতুনা বিশুদ্ধ-সত্ত্বু বসুদেব কৌই। অত্র—মাতুদা, বিশুদ্ধ সত্ব অতুদা। মফম অসিদা করণ কারক-অর্থদা অধিকরণ কারক হাঙ্গবদি তৃতীযা (৩) বিভক্তিদা সপ্তমী (৭) বিভক্তি শিজিন্নে। খণ্ডনবিবনা বিশুদ্ধ সত্বদা (করণ-না) শ্রীভগবান ফোংদোক্কে, ড-নী মাতংদগী মৈ লৈবে হাঙ্গবা ফোংদোকই, অতুগুমতুনা ভগবনসু বিশুদ্ধ সত্বগী ম'•• লৌহুনা মশা ফোংদোকই। অপ্রাবৃত পুমান—কুপসিনবা য়াওদবা ভগবান। কুপশিনবা য়াওদবা হাঙ্গনদি মায়াগী মন্থ' চনবা সত্ত, রজঃ তমো গুণ অসিনা কুপশিন্দব হাঙ্গবনি

ভগবান্দি অপ্রাকৃত বস্তুনি (অচম্ব মায়াগী পোৎ নত্তে), ঐখোয়গী ইন্দ্রিয়শিং অসিদি প্রাকৃত বস্তুনি (অচম্বা মাযগী পোৎনি), "অপ্রাকৃত বস্তু নহে প্রাকৃতেন্দ্রিয়-গোচর।" ভগবান্দি ইন্দ্রিনা উবা ঙমদে অতুনা মহাশক্তি অচম্বা পুক্নিংনসু উবা ঙমদে (ফংদে)। ইবুংঙো নাবু নীংজনগী (ভজন তৌজবগী) থৌবম্না থমোইদা অমে ৎপা (ঙনম্বা পুম্নমক অতু কোবথানা, অংশ না সত্ত ফাওনরুগা (পুক্নি শেংলরুগা) পুক্নিংগ অংশংবা সত্ত অতুং। অ• • নইখি। য়েং •চি ম মন্থ দা বুইনা থমুগা চপ মান্ননা শকফম শন্নকই অম•। গুইখি, অতমনতুনা পুক্নিংন ফঙনা অনাংপা লোকপ্রগা অংশ ব সত্তগা অমত্তা ওইখি, মনম অতুনা মতম অতুদদি পুক্নিং অহনা শ্রীভগবানবু ফংবা ঙম্মে।

লক্ষ্মীনচিংনা ভাব া। শান্দনবা বিপ্রগ্রহ অংশংবা সত্তনি শুদ্ধ'ত্তময়নি), মখোঙ্গগী মন্থুদা কনাগুম্বা থব। প্রাণনাথ হেন্না লৈবা শুদ্ধসত্ত্বগী মশক্তি, কনাগুম্বা থবনা সন্ধিনানা হেন্না লৈবা শুদ্ধসত্ত্বগী মশক্তি অমসু কনাগুম্বা থবনা সম্বিৎনা হেন্না লৈবা শুদ্ধসত্ত্বগী মশক্তি "ঙাদব' হলা •• । দা • মাংশ—বিশেষ প্রধানেন বিশুদ্ধসত্ত্বেন যথাযথং শ্রীপ্রভৃতি না•পি প্রাদুর্ভাবো বিবেচ্যঃ। ভগবৎসন্দর্ভ॥" যশোদা, দেবকী, রোহিণীনচিংবা অমসুং নন্দ, উপনন্দ, ব দং• চংবসি, সন্ধিনানা হেন্না লৈবা শুদ্ধসত্ত্ব ওইবা আধার শক্তিনা (তুংফম্না) ওনবনি (ফেং দোকপনি)। ব্রজগী কৃষ্ণকান্তা গোপীশিং, দ্বারকাগী মহিষীশিং (শ্রীকৃষ্ণগী মহিষীশিং), বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মী-শিং—হ্লাদিনীনা হেন্না লৈবা শুদ্ধসত্ত্বনা ওনবনি। দ্বাদশ-মধুমঙ্গল• বা সখাভ বর্কী লোঙ্গনবশিং অসি, মরম পুম্নমক্তা কৃষ্ণগা মান্নে হাঙ্গতুনা শক্তি ভ •া া শুদ্ধসত্ত্ব। •ন নি।

কৃষ্ণের ভগবত্তা—জ্ঞান—সংবিতের সার।
ব্রহ্ম জ্ঞানাদিক সব তার পরিবার ॥৫৮

অর্থ :—

কৃষ্ণবু শক থঙহনবদি সংবিৎনা থংহল্লা।
ব্রহ্ম জ্ঞানমচিংবসি মাতুগী মহুং চল্লী ॥৫৮

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক অসিগী অর্থ অসিদগী অসিমসু থঙনৈ, থমোই অতুদা শুদ্ধসত্ত্ব ফাওবক্তগদি (শেংহনবা ভমপ্রবদি) শ্রীভগবানসু ফংবা (ফাওবা) ভমদে। মবমদি, শুদ্ধসত্ত্বনা (পুরিং শেংবনা) তুংক্ষম পাত্র ওইতুনা শ্রীভগবানবু ফাতুনা থম্মী, অতৈ অতোপ্পা কবিগুম্বা পেং অমদা তুংক্ষম পাত্র ওইবা য়াদে। ভক্তগী থমোইদা শুদ্ধসত্ত্ব ফাওই (লৈ) হাঙ্গচুনা শ্রীকৃষ্ণনা ভক্তগী থমোইদা মতম পুম্নমক্তা লেঙদনা মপুম ওইদুনা লৈ—"ভক্তের হৃদয়ে কৃষ্ণের সতত বিশ্রাম।"

শ্রীভগবানগী মপা, মমা, লৈফম (ধাম) যুম ফমুং পিদা অনিশচিবা পুম্নমক শুদ্ধ সত্ত্বগী মওং ভাক্তনি, শুদ্ধসত্ত্বনা শুনবা ভাক্তনি হাঙ্গবা শ্লোক অসিনা প্রমা। ওইবে।

৫৮। সন্ধিনী-শক্তিগী মরম শিংথাখববনিনা হৌজিক সংবিৎ-শক্তিগী থৌরম হাঙ্গজবি। অশেংবা সত্ত্বদা (বিশুদ্ধ সত্ত্বে) সংবিৎ শক্তিনা হেনা লৈবা মওংদা মাহুবু আত্মবিদ্যা কৌই। আত্মবিদ্যা মওং অনি থোক্লৈ—জ্ঞান অমসুং জ্ঞানগী হৌবক্ষম মথোক। মাসিনা ঈশ্বরবু নাংজবিবশিংগী জ্ঞান চাথেংহল্লা। জ্ঞান অদুনা নাংজবিবা অং মহুবু মশক থঙহল্লী। শক্তিনীং-লম্বেল অসি নথম মথা য়াম্না, অদুনা জ্ঞান্না ন।। সং শক্তিনা ফোংদোকপদু নীংজবিবা মী ওতুগী পুরিংগী নতুংহন্না ফোংদোকই। ন নং শক্তিনা মপুং ফানা নাংজবিবা মা অদুগী মক্ষমদা ফেংদ কপিরগা শ্রীকৃষ্ণবু ফজবা ও।। মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণবু শক থঙনবা জ্ঞান অদু সংবিৎ শক্তিগী মচিনা ফোংদোকপান। শ্রীকৃষ্ণবু স্বয়ং ভগবান্নি হাঙ্গনা থঙজবা ভয়বা না অদুতনা,—ব্রহ্ম পরমাত্মানচিংবা অসি শ্রীকৃষ্ণনা ওনবনি হাঙ্গবা থঙবা ভম্মী অমং, মথোঙ্গ পুম্নমক্তা শ্রীকৃষ্ণদা চঙজে অদুগা অদুগা ব্রহ্ম পরমাত্মাসু শ্রীকৃষ্ণগী মহুং চল্লা হাঙ্গনা ভম্মী।

হ্লাদিনীর সার—'প্রেম' প্রেমসার 'ভাব' ।
ভাবের পরম কাষ্ঠা—নাম 'মহাভাব' । ৫৯

অর্থ :

হ্লাদিনীগী মচি 'প্রেম' নি, প্রেমগী মচি 'ভাব' নি ।
ভাবকী অংখংবগী নাম 'মহাভাব' কৌবনি ।৫৯

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীকৃষ্ণবু [illegible] ব্রহ্ম জানচিবসি—[illegible] জানচিবসি । [illegible] কৃষ্ণবু স্বয়ং ভগবান [illegible] ব্রহ্ম, পরমাত্মানচি বা [illegible] ।

[illegible] শুদ্ধসত্ত্ব [illegible] হ্লাদিনী [illegible] ১.৮ [illegible] প্রীতি ভক্তি [illegible] ।

হ্লাদিনী মচি [illegible] বৃত্তিবিশেষ প্রেম [illegible] শ্রীকৃষ্ণ [illegible] ১.৮৮ । প্রেম [illegible] কৃষ্ণেন্দ্রিয় (কৃষ্ণগী [illegible]) [illegible] । [illegible] (১।৪।১৬১) । [illegible] অনবু নাব (ইচ্ছা) [illegible] শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-শক্তিগী-হ্লাদিনীগী [illegible] শুদ্ধসত্ত্ব [illegible] । [illegible] (ভজন) [illegible] রূপা [illegible] শুদ্ধসত্ত্ব [illegible] ।

গৌর-কৃপা টীকা

লৈবা মতমদা অমগা ওইখি. মতম অদুদা মৈনা য়োংবা চংজরগা মহাক্না তৌবা ভুস্না মগুণ অদু ফোংদোকই অমসুং গুণ অদুদি য়োংকী মশাদা ফোংদোক্লরবনিনা য়োংকীগুন্নি হাইনা লৌনরে। অদুগুমদুনা, শুদ্ধসত্ত্বগী ভক্তগী থমোইগা তিন্নদুনা অমত্তা ওইখ্রগা ফোংদোক্লকপা থৌরম পুম্নমক শুদ্ধ সত্ত্বগী থৌরম ওইরবস্তু শুদ্ধ সত্ত্বগী থৌরম্নি হাইখিদরে. ভক্তগী থমোইগী থৌরম্মি মওংনি হাইনা খঙনখরে, মতম অদুদা মাহুবু কৃষ্ণগী ইন্দ্রিয় পেন্নবা নীংবা প্রেম হাইনা কৌখরে। নিত্যসিদ্ধ ভগবৎকী লৌইনবা ওইবা মখোইশিং অদুগী থমোইনশিংবা ইন্দ্রিয় অদুদি মায়া নত্তবা অশেংবা-সত্ত্বগী মশক্তি (মায়া পকত্রবনি, চমত্রবনি); অনাদি কালদগী (ভগবৎ শেমজিংচৈদগী) মখোইগী থমোইদা শুদ্ধসত্ত্বগী থৌওং ওইবা, কৃষ্ণবু পেন্নবা নীংব প্রেম্না চান্দুনা লৈখ্রবনি। হ্লাদিনীনা হেন্না লৈবা শুদ্ধ সত্ত্বনা কুংশিল্লকপা অদুবু প্রেম কৌই; মরম অদুনা "হ্লাদিনীগী মচি-প্রেম-নি হাইরিবনি।" প্রেম্না ফাওবক্তদি থমোই অদু মাল্লী, লূই অমসুং শ্রীকৃষ্ণদা য়াম্না নুংশিবা পোকই। "সম্যঙ মসৃণিতস্বান্তো মমত্বাতিশয়াঙ্কিত। ভাবঃ স এব সান্দ্রাত্মা বুধৈঃ প্রেমা নিগদ্যতে॥ ভ, র, সি, পূ ৪। ১॥"

প্রেম অসি নিত্যসিদ্ধ ওইবা লোইনবশিং অমসুং শ্রীকৃষ্ণদা নিতিং চান্দুনা লৈ; লোইনবা ওইরিবা ভক্তশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইহনীংঙী, অদুগা শ্রীকৃষ্ণনসু মখোইবু নুংঙাইহনীংঙী। মতৌ অসুম তৌদুনা শ্রীকৃষ্ণ অমসুং লোইনবা ভক্তশিংগী মরক্তা অমগা অমগা পেন্নগীদমক নীংনদুনা ভাব অমনা পুন্দুনা লৈ। "অনন্দনুভবেন শ্রীভগবানপি শ্রীমদভক্তেষু প্রীত্যাতিশয় ভজতে ইতি। অতএব তৎসুখেন চ ভগবতোঃ পরস্পরম্-বেশমাহ। প্রীতিসন্দর্ভঃ। ৬৫॥" ভাব অমনা পুন্দুনা লৈনখ্রবা, অমগা অমগা নুংশিনবা অনি অসিদি কাইনহনগে, থগাইগে হায়না হোংনরবস্তু থুগাইনা ভমদে। প্রেমগী মরমদা শ্রীউজ্জ্বল-নীলমণি লাইরিকদা অস্মন্না ইবি। "সর্বথা ধ্বংসরহিতং সত্যপি ধ্বংস-কারণ। যদভাব-বন্ধনং যূনো স প্রেমা পরিকীর্তিতঃ॥ স্থা ৪৬॥"

প্রেম অসিনা অমুক অমুক কুংসিল্লদুনা নওংশিংনা স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ অনুরাগ অমসুং ভাব ওইরকই। প্রেম মওং শাংকাইরকপগী থাক কয়মুক অসিগী মকুংদা ভাব কৌবা থাক অসিনা শ্বাইনগী রাংবা (কুংবা) হেনী; মরম অদুনা গ্রন্থকারনা "প্রেমগী মচি ভাবনি" হাইরিবনি। প্রেমগী মচি-প্রেম্না য়াম্না কুংশিল্লরপা মওং। ভাব প্রেম্না মথং মথং কাথংলকপদা শ্বাইদগী হেন্না রাংবা থাক য়োরকপা অদুগী মমিং ভাব কৌই। ভাবকী

গৌর-কৃপা টীকা

লক্ষণ (মওং মতৌ) বনিনো, মাহু থংসি। প্রেম হায়না য়াম্না মাংলক্লনা থমোই অসি চোংলকবা মতম অহুবু স্নেহ (মুংশিনা) কৌই। মৈ অহু থাও য়াম্না হৈজিল্লবদি মৈন্না চাওখংলবই, ঙ নবা হেল্লকই, মতুংইন্দুনা প্রেমদগী মুংশিবনা (স্নেহনা) শ্রীকৃষ্ণ ফংনীংবগী থাগাই চোংপা হেল্লী। মু শিবা যৌবক্লবদি (ফাংলকবদি) শ্রীকৃষ্ণবু দর্শন (উজবা) ফংবনম্লু থৌম্নাংবগী অপেনবা নাইদে। মু শিবা অসিনা অম্মম হৈজিল্লকগা মমাংঙৈদা ওইখিদ্রিবা অনৌ-অনৌবা মাধুর্য্য (প্রমাণ লৈতনা ফজবা) ফাওরকই অমসুং মশামু কেথোরকই। খোঙ্গবকই লাভাং-বাভাদা, মতম অহুদা মাহুবু মান (কেবা, ওইনবা) কৌই। মান যৌবন্নবদি মুংশিবনা থল্লগা লাথন্দগী হেঙ্গিনখিহুনা পোৎ অহু ঐমকীনি হাঙ্গনা হেঙ্গিন্না থঙ্গিল্লক্লনা পুবচেন খোঙ্গবকই (বেথোববত) মতৌ অসি মায়াগী মরমদা ইশাগী ওইজনা পাংবা চংচনবা মশক ওইবা অহু নাদে, মুংশিবগী অহুরূপ নওংনি। ঐমকীনি হায়না খংব প্রেম হায়না মান—দগী হেঙ্গিনখিহুনা মশাগী থবাই পুন্নিং, বুদ্ধি, হকচা অমসুং ফিজ্ঞংনচিংবা পুমক লৌহুনা শিজবিবা মী অদগী থবাই, পুন্নি, বুদ্ধি হকচং অমসুং ফিজেংনচিংবগা লেখ দা হাঙ্গনা চন্নিংগা নীলাই হায় হুদা মাহুবু প্রণয় কৌই। প্রণয় অসিনা কমুক মুংশিব হেঙ্গিংশিহুনা মীরু ফংবা য়াবা মাংলাবদা যাম্না ম্নারম্ভ কাওখিহনা মু লাইজবা অমসুং শীঘ্র ফ লবদা য়াম্না ও লেইনন্নগ খংহৌদনা য়াবনা হাঙ্গনা চই গতনা ববা মতম হুদা ফিবম অহুব রাগ কৈই রাগ হায়দগী অমুক হেঙ্গিনখিহুনা মত পুমম না রমোইদা ফ ওংনা লৈবা মু শিজববা অহু নিকুপ খুদিংগী ইনাতা লৌহুনা লৈ হয়ন পুক্লিংনা নাংলকই, মওং নি যৌবনবা প্রেম অহুবু অনুরাগ কৈই। ভাব যৌবনদি মুংশিরিবা অহুগা মমদা থরাই থাদোকপম্লু অন্নাবা অকিবা লেবংনে, রহুনা লৈনিঙেগী মতমদা কৃষ্ণ ফংনবগী থল্লুবদম্লু য়াম্না হুংভাইনা পোকই (যুগ্ম অন্দেবা মধ্যলগী মতাং লত শুবদ ইব, যেংবিয়ু)। শীরূপগোস্বামী পাদনা ভাব অমসুং মহাভাব অনি অসি ভর্ম অমংবা ওইনা শিজিন্নরম্মী। তৌইংম্মসুং কবিরাজ-গোস্বামীচরণদি ভাব অমসুং মহাভাব অনি অসি থক থেয়বা ওইনা উৎলি -ভাবগী মতুংদা লাবা হেয়া লাংবা থাবপ্ মহ ভাব কৌই হায়না হায়বশ্মী। শ্রীরূপ-গোস্বামীনা ভাবকী থাক অনি রৈজল্লগী রূঢ় অমসুং অধিরূঢ়। কবিরাজ গোস্বামীনা রূঢ়বু—ভাব অমসুং অধিরূঢ়বু মহাভাব কৌই হায়বগী প্রমাণ থঙজত্রি (থেংনজম্রি)।

মহাভাব স্বরূপা—শ্রীরাধা ঠাকুরাণী।
সর্ব্বগুণ-খনি কৃষ্ণ কান্তা শিরোমণি॥ ৬০

অর্থ

শ্রীরাধাঠাকুরাণী-মহাভাবকী মশক্তি।
গুণখিবিকী থোকফম কৃষ্ণকান্তাশিংগী মণিনি॥ ৬০

গৌর কৃপা-টীকা

প্রেমগী মচি ভাব—প্রেম কুংশিঙ্করপগী মমিং ভাব কৌই। খমথেংবা—যাম্না কুংসিল্লকপা শরুক। ভাব-না যাম্না কুংসিঙ্করপগী মমিং মহাভাব কৌই। মহাভাব—প্রেম শাং-কাঙ্গবকপগী থ্বাইদগী হেন্না নাংবা থাকী মমিং মহাভাব কৌই। কবিরাজ-গোস্বামীনা মফম অসিদা মাদনাখ্য মহা-ভাবপু মহাভাব হাঙ্গবগী হাঙ্গনা নীংঙী। শ্রীউজ্জ্বল-নীলমণিদা মাদনগী লক্ষণ অস্নুন্না ইবিং—"সর্বভাবোদগমোল্লাসী মাদনোহয়ং পরাৎপরঃ। রাজতে হলাদিনী সারো রাধায়ামেব যঃ সদা॥ স্থা, ১১৫॥' হলাদিনীগী মচি প্রেম্না ভাব পুম্নমক ফোংদোক্লবদি মাহুৎ মাদন কৌই, মাদন অসিদা মোদননচিংবা ভাব-তগীস্নু অথোইবনি অমসুং মহাক্তি শ্রীরাধাতদা ঙান্দুনা লৈ অতৈদদি উবা ফংদ। মাদনগী ভাব ফাংবররদি শ্রীকৃষ্ণনা কোনবিরা-চপ্পীবনাচিংবগী অঙকপা ফংনা হুংভাইব অত্তু হকচাংদা সাক্সাং থাংই, মাসি মাদনগী অঙকপনি।

ভাব নত্রগা মহাভাব হাঙ্গবা অসি কান্তাপ্রেমদা নত্রগা মধুরাবতিদা উবা ফংঙী, দাস্য-বাংসল্য-দদি ভাব নত্রগা মহাভাব লৈতে। সখ্যদস্নু মহোশানা ভাব-মহাভাব লৈতে, সুবলনচি বা সখা অমা-অনিদংদা ভাব থোই। "দাস্যবর্তিনা রাগ থোই। সখ্য-বাৎসল্যনা অনুরাগ থোই। সুবলনচি বনা প্রেমগী থাক ভাব থোই। ২। ২৩। ৩ ৩৫॥"

৬০। মহাভাবকী মশক্তি—মহাভাব (মাদন) কী মশক ওইরবা মতাক অত্তু, শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা প্রেম অত্তুনা মথং মথং কাখৎলকুনা মহাভাব (মাদন) ওইরবা অদুর মহাভাবকী মশক কৌই। শ্রীরাধিকাগী প্রেম অসি মাদনাখ্য-মহাভাব ফাওবা ফোংদাবই, মসম অত্তুনা শ্রীরাধাবু (মাদনাখ্য)-মহাভাবকী মশক্তি হাঙ্গনবিরনি। মাদনাখ্য-মহাভাবনা গঠিত ওইরবা শ্রীরাধা ওই। ঠাকুরাণী—অথোইবা খঙনবা য়াহৈনি, শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবীশিংগী

গৌর-কৃপা-টীকা

মনুংদা শ্রীরাধিকানা খ্বাই প্ৰন্নমক্তগী মরম পূন্নমক্তা প্ৰমহেন-হেন্নী হাঙ্গৈহুনা মহাকপু ঠাকুরাণী হাঙ্গৈবিবনি। মরম অহুনা মতুংগী থংনবা পযাবদা গুণ খিবিক্কী থোককম (খনি) হাঙ্গৈবিবনি। গুণ খিবিক্কী থোককম (খনি)—অতপ্না, লমচৎ ফজবা, অথোংপা, অথুম্বা অসিনচিংবা গুণ পূন্নমক্কী তূংনফম ওইবী (শ্রীরাধা)। শ্রীরাধাগী মগুণ মশিং থীবা ওন্থা নত্তে (অনন্তনি); ময়াম অহুগী মনুংদা (২৫) কুম্নডাখক্লা মকওইবনি হাঙ্গৈনা শ্রীউজ্জ্বল নীলমণিদা ইরি। মহুদি অসিনি :—১। মহাক্তি ফজবীনি, ২। নৌনা মথোক-কাররুপী, ৩। চলাপাঙ্গা (মিয়েং তযাং-তযাংবী), ৪। উজ্জলস্মিতা (ফজনা মোমোন নোকপী), ৫। চারুসৌভাগ্য-রেখাঢ্যা (মহাক্কী খোঙ-খুংকী রেখা (মযি) যাম্না নিংথিজবী, অমস্তুং লাইবক ফবী), ৬। গন্ধোন্মাদিতমাধবা (মহাক্কী হকচাংগী মনম য়াম্না মুংশিবা অহুদা শ্রীকৃষ্ণনা ঙাওবা), ৭। সঙ্গীত-প্রসারাভিজ্ঞা (ইশৈগী মবমদা যাম্না হৈবী), ৮। রাহৈ থোংপী, ৯। খঙ-হৈবী, ১০। নোল্লুকপী, ১১। থৌজাল হৈবী, ১২। লৌশিং ফবী, ১৩। পাটবান্বিতা (হিরম খুদিংদা হৈশিংবী), ১৪। ইকাইগনবী, ১৫। মর্য্যাদা ফবী, ১৬। খাঙবা কনবী, ১৭। গাম্ভীর্য্য লৈবা, ১৮। সুবিলাসা (হুবাওবা, মোমোন-নোকপা তু-চুংবনা পুক্নিংগী ভাব ফজনা ফোংদোকপদা হৈশিংবী), ১৯। মহাভাব-পরমোৎকর্ষ তর্ষিনী (শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা য়াম্না থৌরাংবী-মহাভাবকী মশক ওইবী), ২০। গোকুলগী প্রেমগী তূংনফম ওইবী, ২১। জগৎশ্রেণীলসদযশাঃ (মহাক্কী মিংচৎনা জগৎ শিনবা থুংনা চংপী), ২২। গুর্ব্বর্পিত-গুরুস্নেহা (গুরুজন পূন্নমক্লা মপুংফানা মুংশিবী), ২৩। সখীপ্রণয়িতাবশা, ২৪। কৃষ্ণপ্রিয়াবলী মুখ্যা, ২৫। সন্ততাশ্রবকেশবা (শ্রীকৃষ্ণনা মতম লৈবা খিবিক্লা মহাক্কী রাহৈ অহুদা যাবিবা) অসিনচিংবা। (উ, নী, রাধাপ্রকরণ)। বহুদি খনিদা লৈ (থোকই), খনিদগী লৌথংলগা মীনা শিজিন্নে, অহুগুমহুনা চান্নবগী, মুংশিবগী গুণ পূন্নমক্কী থোবককম শ্রীরাধাদা ওই, অতৈ চান্নবীশিংগী গুণগী মকস্ম শ্রীরাধাগী গুন্নী। মরম অহুনা শ্রীরাধাবু গুণ পূন্নমক্কী খনিনি (থোকফম্নি) হাঙ্গৈবিবনি। কৃষ্ণকান্তাশিংগী মণিনি—শ্রীকৃষ্ণগী-চান্নবীশিংগী মনুংদা শ্রীরাধানা খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকপী মকোক্নি। কোক্কী লৈতেং ওইনা শিজিন্নবা মণি অহুবু শিরোমণি কৌই। মী পূন্নমক্লা মণিবু কোক্তা থেংপা যাম্না পায়ে, মাহু থেংলগা ফজবা অরেম্বা শীঙদা চয়ে। শ্রীরাধাবু কৃষ্ণকান্তা মণি (শিরোমণি) হাঙ্গৈকবিবদি মহাক্লা কান্তাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকই ; মাসি শ্রীকৃষ্ণ মতোমতনা নীংবা নত্তে, অতৈ অতোপ্পা কৃষ্ণ-কান্তাশিংনসু মশা-মশানা নীংঙী অমসুং শ্রীরাধাবু মথোঙ্গ পূন্নমক্তগী হেন্নী হাইনা নীংজরগা মথোঙ্গনা মুঙাইজে অমসুং লেম্নজে।

গৌর কৃপা-টীকা

পয়ার ৫৯। ৬০ দা শ্রীরাধাগী মশক হাঙ্গজবে, হলাদিনীগী খমথেংবা অরোইবদা মহাভাবনি, মহাভাব অহু শ্রীবাবাগী মশক্কি। শ্রীরাধাবু মহাভাবকী মশক্কি হাঙ্গবসি শাস্ত্রগী প্রমাণ অমা মখাদা উচ্চবি।

শ্রীরাধাগী মহিমা (মগুণ) শিংথাবদা গ্রন্থকারনা মথক্কী পয়াব ৫২ দা হলাদিনী শক্তিনা শ্রীরাধা ওই হাঙ্গথরে, অহুনা হলাদিনীগী মগু। শিংথাবদা শ্রীবাধাগী মগুণ ফোংদোকপা ওইগনি, তৌইগুম্বস্নুং হলাদিনীগী মগুণ শিংথাবদা গ্রন্থকারনা পযার ৫৬। ৫৭ তা সন্ধিনীগী অমস্নুং পযাব ৫৮। দা সংবিংকী মগুণ শিংথাকবিবা করিগীনো হাঙ্গনা হংবা য়াই। ব্রাহং অহুগী পাওখুমদি ঃ—হলাদিনী সন্ধিনী অমস্নুং সংবিং অহুম অসি শুকথা থাদোক্লবা যাদে হাঙ্গহুনা (মথক্কী পযাব ৫৫ শুবগী টীকাদা যেংবিযু)। হলাদিনীগা লোঙ্গননা সন্ধিনী অমস্নুং সংবিং লৈ, থাঙ্গেশেংবদি হলাদিনীনা চাং হেন্না লৈ। মবম অসিদগী শ্রীরাধাগা মগুণ শেংনা শিংথাবা তাববদি হলাদিনীগী মহিমা (মগুণ) শিংথাবা চিংথবা যাদে, সন্ধিনী অমস্নুং সংবিংকী মগুণস্ন শিংথাবা চিংথবা যাদে, মবম অহুনা কবিরাজ গোস্বমীনা শ্রীবাধাগী মহিমা শিংথাবদা, বর্ণন তৌবদা সন্ধিনী অমস্ন সংবিংকী মগুণস্নু যাওনা শিংথাবিবনি। সন্ধিনী—শক্তিগী মগুণ শিংথাবদা কবিবাজ গোস্বামীনা শ্রীকৃষ্ণগী মমা-মপা, ধাম, ফমুং-ফিদানচিংবা সন্ধীনী তুংকম পাত্র শক্তিগী মওং ফিবম (পযাব ৫৬। ৫৭ তা) শিংথাবে, মাহুদা খঙবা ঙম্মী, শ্রীরাধাদস্ন তুংনফম পাএ ওইবগী শক্তি থবা লে হাঙ্গবা ফোংদোকই, শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাদা কোনসিনবীবা মতম যাওবকপা অসি তুনফম পাত্র ওইবগী ফিবমনি। অহুগা সংবিংকা মগুণ হাঙ্গবদা শ্রীকৃষ্ণগী ভগবৎ-জ্ঞানগী ব্রা (পযাব ৫৮) হাঙ্গখ্রে। মাহুনা খঙ-নরিবদি—শ্রীবাধাদস্ন শ্রীকৃষ্ণগী ভগবৎ-জ্ঞান লৈ হাঙ্গবা ফোংদোকই। শ্রীবাধাগী পুক্রিংদা থমোইদা শ্রীকৃষ্ণবু স্বযং ভগবান্নি হাঙ্গনা বর্ত্তমান (হৌজিক্নক তশেংনা) খঙবা লৈত্রবস্ন ভগবৎকী মচিদি খঙলম্মী, মাধুর্য্য অহুদি শ্রীরাধানা মপূফানা খঙলম্মী, মাহুগী মরমদা কবিস্নু চিংননীংঙাই লৈতে, মরম অহুনা মাহুদা সংবিং ফোংদোকই। অসি নঙবা শ্রীকৃষ্ণগী পেম্নবা তৌগনি হাঙ্গনা খঙবা অহুস্নু সংবিংকী থবক্লি।

তথাহি শ্রীমদুজ্জ্বলনীলমণৌ শ্রীরাধা-প্রকরণে (২)
তয়োরপ্যুভয়োর্মধ্যে রাধিকা সর্ব্বথাধিকা।
মহাভাবস্বরূপেয়ং গুণৈরতিবরীয়সী ॥১১

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লো। ১১। অন্বয়। তয়োঃ (মখোঙ্গী—শ্রীরাধাচন্দ্রাবলীগী) উভয়োঃ (অনিগী) মধ্যে (মবক্তা) অপি (অমসুং) রাধিকা (শ্রীরাধা) সর্ব্বথা (মবম পূম্নমক্তা) অধিকা (হেল্লী)। [যতঃ] (মবম অতুনা) ইয়ং (মহাক্লা—শ্রীরাধানা) মহাভাব স্বরূপা (মহাভাবকী মশক্লি), গুণৈঃ (গুণ্না) অতি-বরীয়সী (যাম্না হেল্লি)।

অনুবাদ। শ্রীরাধা অমসুং চন্দ্রাবলী অনিগী মবক্তা শ্রীরাধানা মবম পূম্নমক্তা থোইদোক-হেন্দোকৃই, মরম অতুনা মহাক্লা (শ্রীরাধানা) মহাভাব কী মশক্লি অমসুং গুণগী মরমদা য়াম্না হেল্লী ।১১।

শ্রীকৃষ্ণগী চাম্নবীশিংগী মনুংদা শ্রীরাধিকানা ইহেন-হেল্লী হাঙ্গবসি-শ্লোক অসিদা হাঙ্গ-বি। শ্লোক অসিগী মমা দা শ্রীউজ্জ্বলনীলমণি লাইরিকী শ্লোক অমদা কৃষ্ণগী চাম্নবীশিংগী মনুংদা শ্রীরাধা অমসুং চন্দ্রাবলীনা অথোইবনি হাঙ্গথি। শ্লোক অসিদা হাঙ্গরিবনা—শ্রীরাধা অমসুং চন্দ্রাবলী অনিগী মবক্তা শ্রীরাধিকানা মবম পূম্নমক্তা হেল্লী, মরম অতুনা শ্রীরাধানা কৃষ্ণগী চাম্নবীশিং লৈরিবা পূম্নমক্কগী অথোইবনি হাঙ্গবা ফোংদোক্লি। মহাক্লা অথোইবী ওইবগী মবমসু হাঙ্গক্রে অমসুং মহাক্তি মহাভাবকী মশক্লি। শ্রীরাধাবু মহা-ভাবকী মশক্লি হাঙ্গক্লরিবগী রা মরূদি অসিনি, ব্রজগী নিংথিজবী পূম্নমকী মফমদা মহাভাব লৈবা (ফাওবা) ওাক্তনি, অতুম ওইনমক মহাভাবকী থম্থেংবা মাদনাখ্য-মহাভাবতি শ্রীরাধা-দতা মরৈ. অতৈ কনাদসু লৈতে, মহাভাবকী থম্থেংবা ফাওবা চংশিন্বা প্রেম অতুতনা মহাভাবকী মশক ওইবা ওম্মী, অতৈনদি ওমদে। মাসিনা থওনরিমদি, প্রেমগী মরমদা থাক্ রাংবা অসি শ্রীরাধিকানা ইহেল-হেল্লী অনি গুদে। প্রেমগী থাক রাংবা অতুনা গুণ পূম্নমক্লা লৈতেতুনা লৈ, গুণ পূম্নমক অতুসু থাক্ যাম্না রাংনা লৈবনি, মবম অতুনা গুণগী ভুংনফনগী হিসাবতসু শ্রীরাধিকানা অথোইবীনি, অনিতুদবীনি।

কৃষ্ণপ্রেম ভাবিত যার চিত্তেন্দ্রিয় কায়।
কৃষ্ণ-নিজশক্তি রাধা—ক্রীড়ার সহায় ॥৬১

অর্থ :—

মাগী থমোই-ইন্দ্রি কৃষ্ণ প্রেম্‌তনা ওইবনি।
কৃষ্ণগী শক্তিনি রাধা—লীলাগী পাম্বৈনি ॥৬১

গৌর-কৃপা টীকা

৬১। মথক্কী পয়াব ৫২দা হাঙ্গৈজথরে, শ্রীরাধিকাদি শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপশক্তি হ্লাদিনী অমস্তুং মুংশিবগী শকৃফম্নি (প্রণয বিকারনি)। পয়ার ৫১। ৬০দা হাঙ্গৈজথবে, হ্লাদিনী গী মচি প্রেম অমস্তুং প্রেমগী থমথেংবা অবোইবা শকক্কা মহাভাব ওই, মহাভাব অসি শ্রীরাধাগী মশক্কি, মরম অহ্নুা শ্রীরাধাগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণ প্রেম লৈবগী মওং ফিবম উংলি। অহুগা হ্লাদিনীদি শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-শক্তিনি হাঙ্গৈবস্তু পযব ৫৪। ৫৫ দা উচ্চথবে, মরম অহুনা শ্রীরাধাদি হলাদিনী-শক্তিনি হাঙ্গৈবস্তু প্রমাণ ওইবে। মতৌ ৩স্পম তৌহুনা শ্রীরাধাদি কৃষ্ণ প্রেম-বিকারনি অমস্তু স্বরূপ-শক্তিনি হাঙ্গৈনা প্রমাণ তৌববগী মতুংদা অমুক অতাপ্পা মওং অমা ওইনস্তু প্রমাণ পীজবি।

কৃষ্ণ-প্রেমতনা ওইবনি—কৃষ্ণ-প্রেম্না ওনখিবনি। মাগী—শ্রীরাধাগী। থমোই ইন্দ্রি-শ্রীরাধাগী থমোই, ইন্দ্রি, পুক্লি হকচাং, মিং নাকোংনচিংবা পুম্নমক কৃষ্ণ-প্রেমতনা শাবান, সাধারণ জীবগী হকচাং ইন্দ্রি পুম্নমক্কি ঈ-তোং শকনা শাবন, শ্রীরাধাগী হকচাং ইন্দ্রাদি মতৌ অহুগুম্বা অচম্বা ঈ মতোংনা শাবা (শেম্বা) নত্তে, শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমতনা ওইবনি (শাবনি)। শ্রীকৃষ্ণগী হ্লাদিনীনা ওনবা প্রেম অহু, প্রেম অহুতনা অওকপা মওং অমা ওনুন অনাদি কালদগী শ্রীরাধাগী থমোই ইন্দ্রি হকচাং ওন্দুনা লৈ। মবম অসিনা শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমগী বিকারস্তু ওই অমস্তুং স্বরূপ শক্তি হ্লাদিনীস্তু ওই। প্রেমনা মবমদদি মতৌ অহুম্না অঙকপা মওং পুথোকপা অসি ওইথোক্তবা নত্তে।

অর্থ মওং অমদি, করিগুম্বা পোং অমদা অতোপ্পা কবিগুম্বা পোং অমনা মশা পুম্নমক চংশিনখিবা য়াওই, মতম অহুদা পোং অহু অতোপ্পা চংশিনক্লিবা পোং অহুনা শাবনি হাঙ্গৈনে, খুদমদি, মাইবশিংনা হিদাক শেম্বা মতমদা গুলি অমদা লোকমাংথা (লোংমাংথা) মহি হাপ্তনা

তথাহি ব্রহ্মসংহিতায়াম (৫।৩৭)

আনন্দচিন্ময়রসপ্রতিভাবিতাভিস্তাভির্য এব নিজরূপতয়া কলাভিঃ।
গোলোক এব নিবসত্যখিলাত্মভূতো গোবিন্দমাদি পুরুষং তমহং ভজামি॥১২

গৌর-কৃপা টীকা

শেম্বদা গুলি মশা পূন্নমক অত্নুদা লোকমাংখা মহিগী রস অহুম চংখবে, লোকমাংখাগী গুলি ওইথবে, ঈশিদা কর্পূর থাদরবদি ঈশিং অহু খজিক্রং খাইদোক্লগা থকপা মতমদা কর্পূর মনম অহু ঈশিং অহুদা চংহুনা লৈবে হাঙ্গৈবা খঙবী, মতৌ অম্মূম তৌহুনা ঈশিংগী মনম অহু কর্পূরনা শেম্বনি। যোংতা মৈ-না চংখ্রগা যোং অহু মৈ-গা চপ মান্নে, মতম অহুদা যোং অহু মৈনা শাবনি হাঙ্গৈ। "শাবনি' বাহৈগী অর্থ অসি অম্মূম্না লৌবগা "কৃষ্ণগী প্রেমতন্দা শাবনি' শব্দক অসিগী অ।স্থ অম্মন্না তৌবা যাই :—শ্রীরাধাগী থম্মোই ইন্দ্রি, হকচাং পূন্নমক্কী মন্নুংদা কৃষ্ণ প্রেম্না শিন্দ্রনা ০ যিহুন থমোই, ইন্দ্রিনচিংবা অহু কৃষ্ণ-প্রেম্না চূখবে, শাবা ওইগ্রে নক্ত্রগ কৃষ্ণ প্রেমগ চপ মান্নথবে। প্রেমগী অরাংবা মহাভাবকী ধর্ম্ম অমদি অসিনি, মহাভাব ওইবীশিংগী পুন্নি বু অনস্ত ইন্দ্র পন্নমকপু মহাভাবকী নশক ওইবা ফংহন্নী, "বরামৃত স্বরূপশ্রীঃ স্বং স্বরূপং মনো নয়ৎ॥ উ, নী, স্থা, ১১২॥ মনঃ স্ব স্বরূপং নয়েৎ মহাভাবাত্মকমেব মনঃ স্যাৎ মহাভাবাৎ পাথক্যং মনসো ন স্থিতির্বিত্যর্থঃ। তেন ইন্দ্রিয়াণা মনোবৃত্তিরূপ ত্বাদ ব্রজসুন্দরীণাং মন. আদি সর্ব্বেন্দ্রিয়াণাং মহাভাবরূপত্বাদিত্যাদি॥ আনন্দ-চন্দ্রিকা টীকা"

মৈনা চহুনা শেববা যো অহু মৈগ আত্মা অমতা ওইহবরনিনা মৈগা য়োং অহুগা করিস্ন খেন্নবা শেওব, অহুগুমহুনা প্রেম্না চংহুনা লৈনবা ইন্দ্রিশিংস্ন প্রেমগা আত্মা অমতা ওইখ্রবনিনা পেমদগী মথাঙ্গৈনা (থবাই-হকচাংনা) অমুক তোপ্না উখিদবে। ফিবম অসিদদি থমোই ইন্দ্রি হকচাংস পন্না শাবনি, প্রেমগী মংংনি হাঙ্গৈবা যাব।

কৃষ্ণগী শক্তিনি—স্বরূপ-শক্তিনি। লীলাগী পার্ষৈনি—শ্রীকৃষ্ণগী লীলাগী মত্তেং পাংবীনি, কান্তাবস চুম্বা-লালাগী মপূং ফানবা হোৎনবীনি। শ্রীরাধাগী থমোই ইন্দ্রিনচিংবা হ্লাদিনী শক্তিনা ওনবা প্রেম শাবনি হাঙ্গৈহুনা অমসু হ্লাদিনীদি কৃষ্ণগী স্বরূপ-শক্তিনি হাঙ্গৈহুনা শ্রীরাধাসু শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি হাঙ্গৈবদি স্বরূপ-শক্তি ওইবে, অমসুং মহাক শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-শক্তিনি হায়রহুনা শ্রীকৃষ্ণগী তেংনাংবী ওইব ৬মিননি, শ্রীকৃষ্ণদি মশাগী-শক্তি (স্বরূপ-শক্তি) নত্তনা

গৌর-কৃপা টীকা

অতোপ্পা কনাগী মতেং লৌদে, আত্মাবাম-নি, মনিং মখা চৎৌবা নীপানি, অতোপ্পগী মতেং লৌকববদি আত্মারাম ওইবা য়াদে। শ্রীবাধানা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাগী তেনাংবীনি হাঙ্গৈবসি—অসিদগী খঙবা ওন্মী, মহাক শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-শক্তিনি।

শ্রীবাধাগী থমোই-ইন্দ্রি-হকচাংসি কৃষ্ণ-প্রেমা ওইবনি অমসুং শ্রীবাধাসি শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী শক্তিনা ওইবনি হাঙ্গৈবা শ্লোক অমগা ব্রহ্মসংহিতাদগী শক্তোক্তনা প্রমাণ পীজবি।

শ্লোক। ১২। অন্বয়। অখিলাত্মভূতঃ (পৃন্নমক্কী—গোলোক্তা লৈবা পৃন্নমক্কী অমসুং অতোপ্পা চান্নবা কাংবুনা নুংশিজবা) যঃ (অদুম ওইবা) (গোবিন্দ) (গোবিন্দনা) এব (লেপ্পমক) আনন্দ-চিন্ময়বস-প্রতিভাবিতাভিঃ (নুংঙাইবা—চিন্ময়বসনা থল্লবী) নিজরূপতয়া (মশাগী মশক্তি হাঙ্গৈনা খঙনরবী) কলাভিঃ (হলাদিনী মশক ওইবী) তাভিঃ (অদুম ওইবা) (গোপীভিঃ) (গোপীশিংগা লোঙ্গৈনদুনা) গোলোকে এব (গোলোক্তা) নিবসতি (লে), তং (অদুম ওইবা) আদিপুরুষ (অহানবা নীপা) গোবিন্দং (গোবিন্দব) অহং (এন) ভজামি (নীংজবি, ভজন তৌজবি)।

অনুবাদ। (গোলোক্তা লৈবিবা অতোপ্পা-অতোপ্পা নুংশিনবা) পন্নমক্কী থোইদোক-হেন্দোক্লা নুংশিবগী মশক ওইবা গোবিন্দনা—নুংঙাইবা চিন্ময়-বস (অথাইবা প্রেমবস মধুর-বস) না মপুং ফাববী, মাগী চান্নবীনি হাঙ্গৈনা খঙনববী, মশাগী স্বরূপ শক্তি হলাদিনী ওইবী অদুম ওইবা ব্রজদেবীশিংগা লোঙ্গৈননা গোলোক্তা লৈ—অদুম ওইবা অহানবা নীপ (আদি পুরুষ) গোবিন্দব এনা (ব্রহ্মানা) নীংজরি। ১২

আনন্দ-চিন্ময়বস—নুংশিবা ভক্তিবস, প্রেমগী মশক ওইব উজ্জ্বল-বস কান্তা প্রেমবস প্রতি-ভাবিতা—মিকুপ খুদিংগী (মতম লৈনা খিবিক্তা) যোংদাবপা-স অরেপ্পা ওইদনা লৈববা সত্ত্ব। আনন্দ-চিন্ময় বস-প্রতি ভাবিতা —কান্তা প্রেম বসনা মায়াইগী (গোপীশিংগী) সত্ত্ব অদু মিকুপ খুদিংগী ওান্দুনা লৈ। কৃষ্ণগী চান্নবী গোপীশিংদি কান্তা-প্রেম বসনা শাবনি। নিজরূপতয়া—মশাগী শক্তম ওইবা। মশাগী শক্তম শব্দ অসিনা খঙনবিবদি গোলোক্তা, গোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী চান্নবী (স্বকান্তা) ওই, পকট (অযোংব মীশিংগী মীৎয়েংদা) লীলাগী মতোংদা, গোলোক্তা মখোইনা শ্রীকৃষ্ণগী পবকীয়া কান্তা (লোন্না চান্নবী) ওইদে। থাক্লেংবদি গোপীশিংদি লক্ষ্মীদগী থোইদোক হেন্দোকপীনী, শ্রীকৃষ্ণগী মবমদা মখোইনা লোন্না চান্নবী (পবদাবত্ব) ওইবা হৌনদে। কান্তা বসকী অওকপগী মশক ওইবা বস

কৃষ্ণেরে করায় যৈছে রস আস্বাদন।
ক্রীড়ার সহায় যৈছে শুন বিবরণ॥৬২
কৃষ্ণ কান্তাগণ দেখি ত্রিবিধ প্রকার।
এক লক্ষ্মীগণ, পুরে মহিষীগণ॥৬৩

অর্থ :—

কৃষ্ণদা রস চুপহনবা অতুগী মতৌশুমা।
লীলাদা তেংবাংবা মরম, তাবিয়ু রাধানা॥৬২
মখল অহুম থোক্লা লৈ কৃষ্ণগী চান্নবীশিং।
মাতুদি লক্ষ্মীশিং, কোমুংদা লৈবী মুপীশিং॥৬৩

গৌর-কৃপা টীকা

চুপ্পবগীদমক যোগমায়াগী পাম্বৈনা কোংনা চান্নজবীবু লোম্না চান্নবীনি হাঙ্গিজিন্দুনা রসিক শেখর শ্রীকৃষ্ণনা প্রকট লীলা পাঙথোকৃই। ব্রজগী ফজবীশিংনা পরকীয়া ওইবদি প্রকট লীলাদনি, অপ্রকট-গোলোক লীলাদ মখোঈনা শ্রীকৃষ্ণগী স্বকীয়া কান্তা ওই। কলাভিঃ- হ্লাদিনী শক্তিগী মশক ওইবী। গোপীশিংবু শ্রীকৃষ্ণগী 'কলা' হাঙ্গনৈ; কলা—শব্দগী অর্থদি অংশ নত্রগা শক্তি, বিভূতি হাঙ্গবনি। শ্রীজীব-গোস্বামীনা হাঙ্গরম্মী, গোপীশিংদি শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-শক্তি-হ্লাদিনীগী মশক্তি হাঙ্গহুনা মখোঙ্গবু কলা হাঙ্গরিবনি। "কলাভিঃ—"শব্দনা খণ্ডনরিবদি, শ্রীরাধিকানচিংবী-গোপীশিং হ্লাদিনীগী মশক ওইবীনি হাঙ্গবনি; শ্রীরাধানা মখোঙ্গী মমুংদা অথোইবীনি হাঙ্গহ্না হ্লাদিনীগী-ঘনৃথেংবা মহা-ভাবগী মশক্তি। অখিলাত্মভূত—শ্রীকৃষ্ণনা গোলোকবাসী পূম্নমকী অমসুং অতোপ-অতোপ্পা মুংশিনবা কাংবুগী চান্নথোইবা ওই; আত্মানা জীববু থাদোক্তবগী মতৌগুম্না মহাকম্বু মখোঙ্গবু থাদোকপীদে; মতৌ অসুম্না গোলোক্তা শ্রীকৃষ্ণনা গোপীশিংগা লোইননা লৈ। মথক্কী পয়ারদা শ্রীরাধাবু শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী শক্তিনি হাঙ্গথরে; শ্লোক অসিনা "কলাভিঃ" শব্দগী প্রমাণ ওইরে।

৬২। পয়ার ৫৩দা হাঙ্গরি, "হ্লাদিনীনা (শ্রীরাধানা) শ্রীকৃষ্ণবু মুংঙাইহল্লী" অমসুং পয়ার ৬১দা হাঙ্গরি, মহাক্না (শ্রীরাধানা) শ্রীকৃষ্ণগী লীলা শান্নবদা পাম্বৈ ওই (তেংবাংজী)"। মতৌ করম্না শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণবু মুংঙাইহনবা অমসুং লীলাদা তেংবাংলিবা, মাদু পয়ার অসিদা হাঙ্গবা হৌজরি। রস চুপহনবা—মুংঙাইহনবা, লীলা রস চুপহনবা।

৬৩। শ্রীরাধানা মতৌ করম্না শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা তেংবাংবগে হাঙ্গবদু, পয়ার ৬৩-৬১দা হাঙ্গজরি। পয়ার খন্না অসিগী চাউরাকপা অর্থদি অসিনিঃ—শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগী কান্তা

ব্রজাঙ্গনারূপ আর কান্তাগণসার।
শ্রীরাধিকা হৈতে কান্তাগণের বিস্তার ॥৬৪

অর্থ

চান্নবীশিংগী মতুংদা গোপীনা মবানি।
শ্রীরাধাদা চান্নবীশিং শন্দোকখিবনি ॥৬৫

গৌর-কৃপা টীকা

(চান্নবী) পুন্নমক্কী মাকারি , মহাব বাপ্পা ভাব-তা তেংবাংডী , মবম অতুনা মহান্না (শ্রীরাধানা) সাইনে থায় পুথোকপা তারম্মী। শ্রীকৃষ্ণনা আত্মা অমমম পুথোক্লনা শন্দ দ্বাবকাদ অমস্তু নাবাামদা লীলা শায়ে শ্রীরাধাস্তু মতে। অতুগুম্না কান্তাগী মশব গোন্তুনা (সাইওন্দুন) শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা তেংবাংডী। শ্রীকৃষ্ণনা সাইওনবা মশক পুন্নমক্কী চান্নবী (বাপ্প) ওইবা অদু শ্রীরাধানা খোংদোকপনি (শইবনি)। চান্নবী মশিং মচুবদি কান্তাবসবী অচকপ অদু থোকপা যাদে হাঙ্গিতুনা থাম শমতদস্তু শ্রীরাধান মচু কৌস মথবী শইনা মতি যান্না পু থাক্লনা খোংদোকই—ব্রজদ ললিতা, বিশাখানচিবী গোপপী বজনীশিংস্তু শ্রীরাধান খোংদোকপনি। শ্রীরাধানা বাম্মাশক্তি মবনি।

নগল শ৩ম থোক। লে—না। অতুমি। ভগবং-স্বরূপ পুন্নমক্কী বাপ্পাশিং মথন্না অওম থোর থাগাদো পাংরাই —লক্ষ্মীশি কোন্তংগী হাবম্মশিং অমস্তু গোপীশি শদগী। পরব্যোমদ লেবী গানবীন লক্ষ্মী কৌই। কোন্দদা—দ্বাবকা, মথুবাদ লেবী রুক্মিণীনা-দি নী হাবম্মশি।

৬৫। গোপীন মকানি—ব্রজদ লেবী চান্নবীশিংন (ব্রজাঙ্গনাশিং) অতৈ আতোম্বা গোন্দা—পরব্যোম দ্বাবব—মথুবাদা লেবী চান্নবীশিংদগী মশ ওইবা তেল্লী। অতুম ওইনা চান্নবী অতুন অতুক্কী মতিক সুংশিবা খোংদোকপা ডম্মগ অথোইবা শই। সুংশিবা ফোঙদোকপা অতুদা অমুক ঐশ্বর্যাজ্ঞান হঙ্গোংহল্লী—ঐশ্বর্যজ্ঞান অতুমক্লনা, পুক্লিং-থাই তৈজিন্দুনা মুংশিকম থোকপ অতুদা শপনবা পীরি, মবম অতুনা চান্নবী অতুগী থমোই অতুদা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্যজ্ঞান অসি অতুক্কী মতিক যান্না লৈবিবা মখে, চান্নবী অতুগী সুংশিবা অদু অতুক্কী মতিক মথে তাথবে, অমসুং চান্নবী অতুগী থমোইদা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্যজ্ঞান অসি অতুক্কী মতিক হ্রাংলগ (শুকলে-নৌত্রগা), চান্নবী অতুগী সুংশিবা অদু অতুক্কী মতিক অথোইবা ওইথবে, যান্না মহাপ লৈখবে। ব্রজ থামদা শ্রীকৃষ্ণগী

গৌর-কৃপা-টীকা

ঐশ্বর্য্য অমসুং মাধুর্য্য মপুং ফানা কোংদোক্লবস্থু ঐশ্বর্য্য অদু মাধুর্য্যগী তুংইন্না; মরম অদুনা ব্রজদা মাধুর্য্যনা অথোইবা ওইনা ফোংদোকপা অদুনা চান্নবীশিংগী মুংশিবা অদুসু মপুং ফানা ফোংদোকই। দ্বারকাগী মাধুর্য্য অদু ঐশ্বর্য্যগা চিন্নৈ, অদুনা দ্বারকাগী ইবেম্মশিংগী প্রেম অদু ঐশ্বর্য্যনা খজিক্তং ময়েং তাহন্নী (হঙ্গোইহল্লী, ফজহন্দে); মরম অদুনা ব্রজগী কান্তা-প্রেমদগী দ্বারকাগী কান্তা-প্রেমনা ময়েং তাথখ্রে হাঙ্গবদি গোপীগী প্রেমদগী দ্বারকাগী মুপীশিং (কৃষ্ণগী, মহিষীশিং) গী প্রেমনা তোন্তখরে। অদুগা পর-ব্যোমদদি ঐশ্বর্য্যনা মপুং ওইনা লৈ, মাধুর্য্যবুদি লৈচিন্না কুপ্পুনা লৈখরে (মশক উখিদরে); লক্ষ্মীশিংগী কান্তা প্রেমসু লৈচিন্না কুপখরে (হাঙ্গবদি উখিদরে); মরম অদুনা দ্বারকাগী কান্তা প্রেমদগী পরব্যোমগী কান্তা প্রেমনা তোল্লী (হন্থে); অদুনা দ্বারকাগী রুক্মিণীনাচিংবীদগী লক্ষ্মীশিংনা ভোনবা হেল্লী। মতৌ অসুম তৌদুনা ব্রজগী গোপীশিংনা কৃষ্ণগী চান্নবী (কান্তা) শিংগী মনুংদগী অথোইবীনি; মখোইনা শ্রীকৃষ্ণদা মপুং—ফানা মুংশিবা উৎপা ওন্নী. ঐশ্বর্য্যজ্ঞাননা শয়না মকৈ অমা কাওবা মখোইদা হঙ্গোইহনবা ঙমদে।

শ্রীরাধাদগী অসিনচিংবা —শ্রীরাধিকাদগী অতৈ অতোপ্পা কান্তাশিং শংদোকই (আবির্ভাব ওই)। শ্রীরাধানা মকম-মকম অদুগী কান্তা ওইদুনা তাত্না ফোংদোকই; মরম অদুনা মহাক্না কান্তা পূর্ণমক্কী মক্লনি।

পয়ার অসিদা হাঙ্গরিবা অসিগী প্রমাণ নারদপঞ্চরাত্রদা ফংঙী। নারদগী মফমদা শ্রীমহাদেবনা হাঙ্গি—"রাধাবামাংশসম্ভূতা মহালক্ষ্মীঃ প্রকীর্ত্তিতা। ঐশ্বর্য্যাধিষ্ঠাত্রী দেবী শ্বরস্যৈব হি নারদ। তদংশা সিন্ধুকন্যা চ ক্ষীরোদমন্থনোদ্ভবা। মর্ত্ত্যলক্ষ্মীশ্চসা দেবী পত্নী ক্ষীরোদশায়িনঃ॥ তদংশা স্বর্গলক্ষ্মীশ্চ শক্রাদীনাংগৃহে গৃহে। স্বয়ংদেবা মহালক্ষ্মী পত্নী বৈকুণ্ঠশায়িনঃ॥ সাবিত্রী ব্রহ্মণঃ পত্নী ব্রহ্মলোকে নিরাময়ে। সরস্বতীদ্বিধা ভূতা পুরৈব সাজ্ঞয়া হরে॥ সরস্বতী ভারতী চ যোগেন সিদ্ধ যোগিনী। ভারতী ব্রহ্মণঃ পত্নী বিষ্ণোঃ পত্নী সরস্বতী॥ রাসাধিষ্ঠাত্রী দেবী চ স্বয়ং রাসেশ্বরী পরা। বৃন্দাবনে চ সা দেবী পরিপূর্ণতমা সতী॥ —ঈশ্বরগী ঐশ্বর্য্যগী ভুংনকম দেবী মহালক্ষ্মী, মহাক অদু শ্রীরাধাগী ওইথংবা নাকন্দগী থোকপনি (আবিভূত ওইবনি)। ক্ষীরসমুদ্র মন্থন তৌবদা (নৈবদা থোকপা সিন্ধুগী মচানুপী) মর্ত্ত্যলক্ষ্মী, ক্ষীরোদশায়ীগী মুপীনি; মহাক মহালক্ষ্মীগী অংশনি। স্বয়ং মহালক্ষ্মী বৈকুণ্ঠেশ্বরগী মুপী, মহাক নিরাময় (অনাবা চংদবা) ব্রহ্মলোক্তা ব্রহ্মাগী মুপী ওইদুনা সাবিত্রী মিং কৌখরে। (শ্রীরাধানা লৈয়েংগী ভুংনকম ওইবা সরস্বতী ওইরে। নারদ পঞ্চরাত্র: ২। ৩। ৫৫॥) থাইনা

অবতারী কৃষ্ণ যৈছে করে অবতার।
অংশিনী রাধা হৈতে তিন গণের বিস্তার ॥ ৬৫

অর্থ

অবতারী শ্রীকৃষ্ণের অবতার প্রকাশ।
অংশিনী রাধাদেবী কান্তা অন্তম প্রকাশ ॥ ৬৫

গৌর-কৃপা টীকা

মমাংশৈদা (অনাদিকালদ) হবিগী যাথংদগী সবস্বতী দেবীনা মহি অনি প্রথোকথি—মাহ্নদি সবস্বতী অমস্ত ভাবতী। ভাবতীন নক্ষাগী মপী ওই গমস্ত সবস্বতীনা বিংগী মূপী ওই। মাখাঙ্গ অসিগী থোবকযম স্ব দি বাসেশ্বরী বাসাধিষ্ঠাত্রী শ্রীরাধা পবিপূর্ণতমা দেবী (মপ্-যাবী) ইনা বৃন্দাবনদা চান্দ। লেবিবা অসিনি। ২।৩।৮ —৬৫ ॥'

অথকাবেদণা মন চনব প্রকৃষাব বিণী শ্রুতিদগীস্ত ৬৫ লক্ষ্মী ভূগনি বী শক্তি শীবাবানী নশানি "বম্বা অংশ লক্ষ্মীভূণ—দিব শক্তি। সিদ্ধান্তবঙ্গ ১।৮ মহী পংদগী টীকাদা দ্বাবকানী ইবেন্মশি অমস্ত সীতানচিংবাস্ত শবনাগী অর্থ হাঙ্গীবদ্ব টহনজবি।

ভগবান শীকৃষ্ণ অবতারী। অবতের পন্নমকী মকানি হবাচে মাচোন্দগী শবনাব পমমক চোংথাবকপাদি মবম কচ্ছ মহাক (শীকৃষ্ণ) অংশী হাইবদ ই, অগগা গবনাম পুন্নমব অশ (বাইথবকপ সাইন শক) হাবদ ই অদৃশমতুনা শীবাসদগী ভংবকী গান্নবী পুন্নমক চোথোবকপনি অ শীবাবান মাখাঙ্গ মং দগী অংশীন শ্বহাবে নামস্ত মযান অদ্ভূ। শীলানানী অশ শক্তিগী বেন্নব নবু ইন্ন অশ—অংশী বেশ্নবা লে, শক্তি হব হুমবা অদ্ভুং অশ বৌই। কোন্ গী মহাবাণী (মহিষী) লক্ষ্মীশি অমস্ত ললিতানচিংবী ভজগী নজবীশি দি শীবাধিকাদগী শক্তি থব (ফজব মাধুয ই শিংবা) হইহ্ন, শীবাধাদা কান্তাশক্তি লেব অদু মপ্ ইঙ্গ। শীবাধিকান অংশিনীনি, ভৃগ অতে অতোপ্ন বাম্নাশিংনা মহাঙ্কী অংশনি। শীকৃষ্ণন স্বয় ভগবান ইবগুম্ন শীবাধিকাস্ত স্ব কান্তা শক্তিনি

অবতারা জগৎ শেমহ্রিদৈদগী মুংপা লেতং। ডান্দুন লেববা প্রলয় চ দ্রবা অবতার প্রুন্নমকী চোংথোবকফম (শৌদোরকযম) অতুব অবতারী কৌই, খ্বাইগী মহানি, অংশীনি। অবতার পুথোকই—অতোপ-অতোপ্না ভগবৎ-স্বরূপ এইনা চোংথোকই (আবির্ভাব) কান্তা

গৌর-কৃপা টীকা

অষ্টম পুথোকই—মখল অষ্টমগী কান্তা (চান্নবী) ; লক্ষ্মীশিং, কোন্নুংগী মহারাণীশিং অমসুং ললিতানচিংবী ব্রজগী ফজবীশিং। পুথোকই—কোংদোকই (আবির্ভাব ওই), চোংথোরকই। কান্তা শক্তি পুথোকপগী নিয়মদি অসিনি, শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ওইনা লৈবা ধাম অদুদা কান্তা শক্তিসু স্বয়ং ওইনা (শ্রীরাধা ওইনা) লৈ ; শ্রীকৃষ্ণনা সাইওনে ওইনা লৈবা মফমদা কান্তা শক্তিসু শ্রীরাধাগী সাইওনে ওইনা লৈ। করিগুম্বা ভগবংকী স্বরূপ মশক অমগা শ্রীকৃষ্ণগা লৈনরিবা মরী অদু মতুংইন্না শ্রীরাধাগা কান্তাগসু মতৌ অদুগুম্বা মরী লৈনৈ।

শ্রীকৃষ্ণনা দ্বারকাদা লীলা শান্নবা মতমদা শ্রীরাধানা রুক্মিণীনচিংবী রূপী ময়াম ওইনা সাইওন্দুনা ইবুংঙো মহাক্কী লীলাগী তেংবাংবী ওই। শ্রীকৃষ্ণনা নারায়ণচিংবা ভগবংকী মশক ওইদুনা পরব্যোমদা শান্নবা মতমদা, শ্রীরাধানা বৈকুণ্ঠগী ইবেম্মা (মহিষী) লক্ষ্মী ওইদুনা শান্নবা তেংবাংঙী। মরম অসিনা শ্রীরাধানা অতৈ-অতোপ্পা কান্তাশিংগী অংশি নীনিহাঙ্গীবা খঙবা ঙম্মী। পদ্মপুরাণদা শেংনা ইরি, শ্রীশিবনা পার্ব্বতীদা হাঙ্গীখি-শ্রীরাধ "শিব-কুণ্ডে শিবানন্দা নন্দিনী দেহিকাতটে। রুক্মিণী দ্বারাবত্যাং রাধা বৃন্দাবনে বনে ॥ * * চন্দ্রকূটে তথা সীতা বিন্ধ্যে বিন্ধ্যনিবাসিনী ॥ বারাণস্যাং বিশলাক্ষী বিমলা পুরুষোত্তমে ॥ প, পু, পা, ৪৬।৩৬—৮ ॥" শ্রীশিবনা অমকসু হাঙ্গীখি—"বৃন্দাবনাধিপত্যঞ্চ দত্তং তস্যৈ প্রসীদতা।—শ্রীকৃষ্ণনা হরাওদুনা পেংদুনা শ্রীরাধাবু বৃন্দাবনগী মপু (আধিপত্য—নিংথৌ) ওইহনখি। প, পু, পা, ৪৬।৩৮ ॥" মরম অদুনা শ্রীরাধানা কৃষ্ণকান্তা শিরোমণি (কৃষ্ণগী চান্নবী মকোক্কি), কান্তাশক্তি মরুনি।১।৪।৬২ অমসুং ১।৪।৭৭ গী টীকাদা য়েংবিয়ু।

শ্রীরাধানা চিদচিং শক্তি পূর্ণমক্কী তুংনফম্নি হাঙ্গীবা পদ্মপুরাণ পাতাল খণ্ডদগী খঙবা ঙম্মী। শ্রীসদাশিবনা পার্ব্বতীদা গোপীশিংগী মরমদা হাঙ্গীখি—"তাসাং তু মধ্যে যা দেবী তপ্তচামীকরপ্রভা। দ্যোতমানা দিশঃ সর্ব্বাঃ কুর্ব্বতী বিদ্যুদুজ্জ্বলাঃ। প্রধানং যা ভগবতী যয়া সর্ব্বমিদং ততম্ ॥ সৃষ্টিস্থিত্যন্তরূপা যা বিদ্যাবিদ্যা ত্রয়ী পরা। স্বরূপা শক্তিরূপা চ মায়ারূপা চ চিন্ময়ী ॥ ব্রহ্মাবিষ্ণু-শিবাদীনাং দেহকারণকারণম্। চরাচরং জগৎ সর্ব্বং যন্মায়া-পরিরঞ্জিতম্ ॥ বৃন্দাবনেশ্বরী নাম্না রাধা ধাত্রানুকরণাৎ।—গোপীশিংগী মনুংদা সনামহৌগী কুচু মানবী দেবীনা, মাইকৈ পূর্ণমকপু মোংথাংনা ঙানহনবদৌনা ঙালহন্দুনা নিংথিজরি, মহাক্না মরু ওইনা জগৎ শিনবা-থুংনা লৈ, মহাক্না সৃষ্টিস্থিতিপ্রলয়গী মশক ওই অমসুং বিদ্যা, অবিদ্যা অমসুং

লক্ষ্মীগণ তাঁর বৈভববিলাসাংশরূপ।
মহিষীগণ বৈভব প্রকাশ স্বরূপ ॥৬৬

অর্থ :—

লক্ষ্মীশিংসি বাধাগী বৈভববিলাসাংশনি।
মহিষীশিংনা বৈভবনা কোংদোকপা মশরি ॥৬৬

গোব- পা টীক

পরা (৩াথাহবী) নি হাঙ্গিন থঙনৈ মহারা স্বরূপশক্তিনি অনন্ত চিন্ময়ী মায়া (যোগমায়া) গী মশক ৫ষ্ট, মহায়া পদ্মা-বিষ্ণু শিব অসিনচিংবগীস্ত হবচা ওইনবগী নবম ৫ষ্ট, অচং-চন্দ্রা ডং৲ পদ্মমবপ্র মঙাক্কী মাধান। বপ্তুনা ৫ে অত্তুন ওইবা দেবী অজগী মণি শাবাব কৃদাবানন্দবী বৌষ্ট ।৮ . ৩ .।।' মথক্কী পযাবগী ঢাকাদা বেংবিন।

৬৬। পযাব অসিদা লক্ষ্মীশংগী অনন্ত নহাবানি (মহিষী) শিংগী তত্ব হাঙ্জর্দব। বভব--বিলাসাংশনি-বেভব-বিলাস অত্তুগী অংশন। মহাষীশিং অত্তুনা, মরূপ ওইবা শকফম-। পাদি মাতুব ৩ৌষ্টংম্নু শ ও বো দোববপদদি মরূ ওইবা মশক্তগী থর হুন্তবা, মখেষ্টশ অচ বেভব গনন্ত প ভব বৌষ্ট। পা ভব অমম্ম বেভব উনগী মন্তদ অমব পাভবত্তী বেভবনা শুও বোদোপা হুনি (লা, ভ কৃষ্ণামৃত ।৮।) অত্তুন (অখন্নন) লীলা শ ঃনবশাদমও । চৈশ শ নশানি (স্বরূপ) আত্তাপ-আত্তাপ্ম মং হুদ্দুন শাহৃনী নত্তম অচ্ছদ নহব অতুত্র "বিলাস বৌষ্ট, শক্তি পাব বপগী নবমলা ব সেরূপ অসি স্বরূপক শ দি নাইঃ চক্রুংদ হুস্তবনি (ল, ভ, কৃষ্ণামৃত ১৫)। হাগিব দেন চান্ন দবপবা । । ১৫ াবেবি নশাবগী অত্তোঞ্ম ম অমান অনন্ত শপ । গ ৈীব শক্তি অত্তনু সংবপাপা ব হুইথ ওমস্ত স্বরূপ অদ অখন্নব লীলা শ্বা। হুঅনবী- দবক কোংদাবপতি, না ব বেভব-বিলাস বৌষ্ট, শক্তিপুৃথ বপদ স্বরূপগী থব হুইথ হাইহুনা স্বরূপ অদু মলা স্বরূপকী (স্বরূপ মন্দগী) অশগ ম নব, নবম পাহুন স্বরূপ অচু বেভব-বিলাসাশ হাঅবদ বেভব-বিলাস ইব অশনি হাইব থাষ্ট পাষ্ট অসিদা লক্ষ্মীশি ব রূপনি হ ব। বেকুণ্ঠগী লক্ষ্মীশি অসি স্বরূপ্ম শাব ধিবাদগী বেনান, ৩ৌইগুনমস্ত লীলাবাদি মথুং অনিদা মপাবী, লক্ষ্মীদি মথু মনি পাবী, মবা অসিনা শ্রীবাধাগী মংগ চপ মারবদি নন্ত। শ্রীবাধাদি শক্তি পুন্নমর তিনবীনি লক্ষ্মীদি অচুং শক্তি নবে শ্রীবাধাদগী শক্তি থব হুইথে। মবম পুন্নমক অসিনা লক্ষ্মীন শ্রীবাধাগী বেভব-বিলাসাংশ-কৌনবিবনি।

আকার-স্বভাব ভেদে ব্রজদেবীগণ।
কায়ব্যূহরূপ তাঁর রসের কারণ॥৬৭

অর্থ :—

মওং স্বভাব খেন্নবনা ব্রজদেবীশিংনা।
মাগী বস নোঙ্গনন্দবা ওই কায়ব্যূহ ওইদুনা॥৬৭

গৌর-কৃপা-টীকা

বৈভবনা ফোংদোকপা মসক্তি—থাঙ্গৈশংবা মশাগা (মূলস্বরূপকা) মান্নবা আবির্ভাব পুম্নমকপু-ফোংদোকপা (প্রকাশ) কৌই। শ্রীরাধা পাম্বোম অনিদনি, ইবেম্মা রুক্মিণী-নচিংবী মহারাণীশিংগীসু পাম্বোম অনিদনি; অদুনা ইবেম্মশিংবু শ্রীরাধানা ফোংদোকপনি হাঙ্গৈরিবনি অমসুং ইবেম্মশিংগী মন্নুংদা শক্তিগী মরমদা শঙ্গবদা শ্রীরাধাদগী শক্তি রাংলী (নিংথিজবা—মাধুর্য নচিংবদা) হাঙ্গৈদুনা মখোঙ্গীবু শ্রীরাধাগী বৈভবনি হাঙ্গৈরিবনি। মতৌ অসুম তৌদুনা ইবেম্মা মহিষীশিং অসি শ্রীরাধাগী বৈভবনা ফোংদোকপা মশক্তি (প্রকাশনি)। মাসিনা মহিষীশিংগী তত্ত্বনি। (মহারাণীশিংগী তত্ত্বনি। রুক্মিণী সত্যভামানচিংবী)।

পরব্যোমগী মপু ওইবিবা নারায়ণ, শ্রীকৃষ্ণগী বৈভব-বিলাসনি, মহাক্কী কান্তা লক্ষ্মীশিংসু শ্রীকৃষ্ণগী কান্তা শ্রীরাধাগী বৈভব-বিলাসনি। দ্বারকানাথনা ব্রজেন্দ্রনন্দন-শ্রীকৃষ্ণগী বৈভবন ফোংদোকপনি: মহাক্কী মহারাণীশিংসু (মহিষীশিংসু) শ্রীরাধাগী বৈভব-না ফোংদোকপনি।

মতৌ অসুম তৌনা উচ্চরি, শ্রীকৃষ্ণদগী অতোপ-অতোপ্পা ভগবৎকী স্বরূপ য়ান্না পুথোকই: অদুগুমদুনা শ্রীরাধাদগী অতোপ্পা কান্তাশিংসু পুথোকই।

পয়ারগী অহানবা পরেংদা য়াওরিবা "বৈভব-বিলাস" শব্দগী মরমদা খরদং হাঙ্গজরি। বৈভব-তগী প্রাভব-না শক্তি হন্থে, দেবকী-নন্দনদগী পরব্যোমগী মপুনা শক্তি রাংলি; দেবকী নন্দন্না বৈভবরূপনি, পরব্যোমগী মপুনা প্রাভবরূপ ওই; মধ্য-লীলাগী মতাং ২০ কুন শুবদা দ্বারকাগী চতুর্ভুজ-রূপপু (মখুৎ মরি পানববু) প্রাভব বিলাসনি হাঙ্গৈরম্মী (পাম্বোম মরিবু পান্নবদি প্রাভব-বিলাসনি। ১৪৭।)। নারায়ণ্না প্রাভব বিলাস ওইরবদি মাগী কান্তা লক্ষ্মীসু শ্রীরাধাগী বৈভব-বিলাস ওইদদুনা "প্রাভব-বিলাস" ওইগনি।

৬৭। **হৌজিক শ্রীরাধা নত্রবা অতোপ-অতোপ্পা ব্রজদেবীশিংগী তত্ত্ব হাঙ্গজরি। মখোঙ্গদি শ্রীরাধাগী কায়ব্যূহগী (কুয়োমগী) মশক্তি।**

গৌর-কৃপা টীকা

মধুর-স্বভাব যেমনবা—হবচাংগী মধুর আকার অমস্তং স্বভাব লমচং পেমবা মধু ইগা। মধুরা অর্থাদি মক্রম অসিদদি শকৃপু-কচব গভনবা তাবে। ব্রজদেবীশিগন।—শ্রীললিতাদি-দেবী গোপগী ব্রজবীশিন। দেবী-গী অথ শান্নবদা পুক্তিংচবী, গোপগী ব্রজবীশিং অসি শ্রীকৃষ্ণগ কান্ত ভাব হইনা শাস্ত্রে, ব্রজদেবী—শব্দনা মাগোঙ্গীবু খণ্ডনে। কারণ হইতুন আবিভাব অমস্তু কোদোগুনা, আদি-লীলাগী অহানবা মতাগী পয়ার ৭২ শুনগা গবাদ ... কুয়োমগী অধ অভু যে বধু। মাণী-শ্রীরাধাগী। বস নোঙ্গীনন বস ... । পদ্মপুরাণ পাতাল খণ্ডেদগী খবো ... শ্রীরাধানা হাঙ্গ

ণ হৃদ মব ... দবীনি অহক ললিত দেবী বাম্মিব ... গাহন ॥ ১১

১১ । ... ভাগী মবমদ ব্রজদেবী পন্নমব শ্রীবাধাগী ... হাঙ্গব অতু প্রমাণ ... । শ্রীবাধা ... শক্তি পন্নমব ... কৃষ্ণ-বাল্যাশিগী মল অশিনীনি (১ ৭। ৬ পয়ারগী ...), মহারু অংতাপ-অতাম্ম ব্রজদেবীগী ... ... গী (... গী মমা দগী) ... ব্রজদেবীদি অসমাগী (...) ... (...) ... মধুর ... (...) ... ... পদ্মপুরাণ পাতাল খণ্ড ... —"গাপোব ... ... । ... শ্রীকৃষ্ণ ... গোপীন কপসং ... ... ১৮ ১৮ । ... শ্রীরাধা ... ... (...) ... ... —মবম অতন ... ... মহাগুণমতনা ... ... লীল অভু ... শান্নব লীলা। যেলাং (...), ... শ্রীবাবগী ... ... বীব লাইবক্ত ... " । ... শগী ঈশ্বরী হাঙ্গ ... । ৭। ১ অমস্ত গোপীশন ... ... (... । ১ ...), ... হাঙ্গনদু ... ।

ব্রজদেবী ... কাযবাহ (খোগা-পোঙ ...) ... স্বভাব মধে খদি মব অগ্ ভনবা অমমম ভলৈ লৈ, ... মাহখো ... ... তাদানবন, মা অমমনগী কুচুস্ত ঈমান-মান্নদে, মী অমমমগী স্বভাবস্ত অমমদ্রি, ... খোন ... ... অযাকপীনি প্রবরানি ... ...

বহু কান্তা বিনা নহে রসের উল্লাস।
লীলার সহায় লাগি বহুত—প্রকাশ ॥৬৮
তার মধ্যে ব্রজে নানা ভাব-- রসভেদে।
কৃষ্ণকে করায় রাসাদিক—লীলাস্বাদে ॥ ৬৯

অর্থ :—

চান্নবীশিং য়ামদ্রবদি রস ফজদবনি।
লীলাগী মংং ওইনা য়ায়া পুথোক্লিবনি ॥ ৬৮
ভাব—রস মান্নদবা য়াওই মাতুগী মনুংদা।
রাসনচিংবা লীলা মখাও চাহল্লী কৃষ্ণদা ॥ ৬৯

গৌর-কৃপা টীকা

সুহৃংপক্কনি, কনানা মরক্তা লৈবীনি, কনানা মীগী-মিচংনি অসিনচিংবা। অতোপ-অতোপ্পা গোপীদা অওক্ অওক্পা কান্তা প্রেম লৈ। রস মশা নোঙ্গনবগীদমক শ্রীরাধানা মতৌ অসুম তৌনা অওক্পা স্বভাব অমসুং অওক্পা শক্তম পুথোক্তুনা অয়াম্বা ব্রজগী ফজবীশিং ওন্দুনা লীলা শান্নে।

অংশিনী রাধাদগী মতৌ করন্না লক্ষ্মীশিং, কোনুংগী মহাবাণীশিং (মহিষীশিং) অমসুং গোপীশিং শন্দোক্খিবগে হাঙ্গিবদু পয়ার ৬৫—৬৭দা উহনজরে।

৬৮। শ্রীরাধানা অয়াম্বা গোপীগী মশক লৌতুনা শক্লোন্ য়ায়া পুথোক্লিবগা মরম করিগানো? মাতুগী মরম হাঙ্গিজরি। চান্নবী মশিং য়ামদ্রবদি শৃঙ্গার রস মশা নোঙ্গিবা য়াদে (ফজদে), থোইদোক্পদি রাসলীলা শান্নবা য়াদে হাঙ্গিদুনা শ্রীরাধানা শকলোন য়ায়া পুথোক্তুনা অয়াম্বা গোপীগী মশক ওই। শক্ ফজবদা, স্বভাবতা অমসুং হৈশিংবদা অওকপা ফংলবা ব্রজগী ফজবীশিং অসিনা শৃঙ্গার রসপু অওকপা-ফংনা পুথোকই। মাতুনা রস মশা নোইবা হাঙ্গিবা অতু ওই। য়ায়া পুথোক্লিবনি—চান্নবী মশিং য়ায়া পুথোক্লিবনি শ্রীরাধানা।

৬৯। মাতুগী মনুংদা—শকলোন্ য়ায়া পুথোকপা অতুগী মনুংদা। ব্রজদা শ্রীরাধানা ব্রজদেবী পুম্নমক্কী শকলোন্ পুথোক্লিবা অসি শক্তমদা, স্বভাবতা অমসুং রস-হৈশিংবদা মথোঙ্গি খুদিংমক চাংদম্নীংঙাই লৈতে। অওকপগী মশক ফংনা শান্নবা হৈরবা চান্নবী (কান্তা)—শিং অসিনা মপান্নাইদবা মুংঙাইবা শন্দোক্তুনা শ্রীকৃষ্ণবু রাসনচিংবা শৃঙ্গার রসকী মহাও চুপহল্লী।

গৌর-কৃপা টীকা

পযার ৬২ দা "শাম্নবদা তেংবাংঙী" অসিনচিংগ। হাঙ্গৈবা অত্থ অর্থ তৌবা লোইসিনজবে। শ্রীকৃষ্ণনা লীলাগী মতু-ইন্না শকলোন মমম পুথোকপা অহুগুম্না শ্রীবাধাম্ন পুথোক্লিবা শকলোন অত্থগী তেংবাংবা ওইননবা চান্নবী অমগী শকলোন পুথোক্লুনা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা তেংবাংঙী। শ্রীকৃষ্ণনা বৈকুণ্ঠদা নাবায়ণ ওইহুনা লীলা শান্নৈ, শ্রীবাধাম্ন লক্ষ্মী ওইহুনা লীলা অত্থগী তেংবাংঙী। শ্রীকৃষ্ণন দ্বারকাদা শকলোন পুথোক্লুনা লীলা তৌই, শ্রীবাধাম্ন শকলোন পুথোক্লুনা লীলা অত্থগী তেংবাং যানবা রুক্মিণীনচিংবী মহাবাণী (মহিষী কৃষ্ণগী নুপী) ওই। শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং মশামক্না ব্রজদা লীলা শান্নৈ, শ্রীবাধাম্ন স্বযং মশামক্না অমম্ন্নং কায়বাহ লোঙ্গনবী পুথোক্লুনা লীলা অত্থগী তেংবাংঙী। মাহুদা শ্রীকৃষ্ণবু বাসনচিংবা লীলাগী অওকপা বস চপহল্লী। মতৌ অম্নম তৌহুনা লক্ষ্মীনচিংবী মখল অহুমগী চান্নবী ওইন্না সাইওনা শ্রীবাধানা শ্রীকৃষ্ণ লীলাগী তেংবাংঙি। হঙ্গৈদোবপদা মখল [illegible] ব্রানি বসবী (শ্রীবাধাকম শাংবাইকম) ওইবা রাসনচিংবা লীলাদা শ্রীবাধা মশামক্না সহায (মতেং) লৌদনা য়াদে; মসি [illegible] বজ [illegible] অতি [illegible] বাসনচিংবা লীলা [illegible]। বস [illegible] অর্থ [illegible] য়াম্না [illegible] ওইথার [illegible] চা [illegible] চংবগী [illegible] (মগী) [illegible]।

রাস [illegible] ১০।৩৩।২ শ্লোকী টীকা [illegible] হাঙ্গৈবদী "রাসো [illegible] নৃত্যবিশেষঃ [illegible] [illegible] হাঙ্গৈনা [illegible] [illegible] ভাবে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মসি [illegible] [illegible] বৌই॥" [illegible] গোপী [illegible] যম্ন [illegible]। [illegible] চান্নবী [illegible] যাম্না চই [illegible] লীলাদা [illegible] বস [illegible] হাঙ্গৈবত্থ [illegible]।

[illegible] হাঙ্গৈবি, "বাস [illegible] শ্রী ১০।৩৩।৩ টীকা॥" হাঙ্গৈবদা বাবা বস [illegible] লৈবা। বস [illegible] ১। [illegible] ২। [illegible] ৩। সখ্য, ৪। [illegible] ৫। শৃঙ্গার; গৌণ [illegible] নত্তবা বস [illegible] ১। হাস্য অবাক্ত্যা, নোক্নীবা) ২। অদ্ভুত ([illegible]) ৩। বীর (হকনবা) ৪। করুণ (অপোম্পা, থোজাগাইবা) ৫। বৌদ্র (আদপা), ৬। [illegible]

গোবিন্দা নন্দিনী রাধা গোবিন্দ মোহিনী।
গোবিন্দ সর্ব্বস্ব-সবর্ব কান্তা শিরোমণি॥ ৭০

অর্থ :-

গোবিন্দ পেলহনবী রাধা—গোবিন্দ মোহিনী।
গোবিন্দগী লল কান্ত পুরুকা মংশোরি॥ ৭০

গৌর-কৃপা টীকা

হঙ্গোইবা) অমস্তুং ৭ ভয় (অকীবা) (মধ্য-লীলাগী মশাং ১৯ শবদা রস পুম্নমক থন্নবা —নৈনবা অতু যেংবিয়)। রাস শা রস পম্নমক অসি থেংবকই। রস পুম্নমক অসি থোক্রবস্ত শৃঙ্গার রসনা অথোইবা ওইনা থোরকই—রাস লীলগী মতমদা শ্রীপবস্বামীচরণা হাঙ্গবন্মী "কন্দর্প দর্পণ", শৃঙ্গার রথোপাদেশণ অসিনচিংবা রাইনা পনাম্নি। শৃঙ্গার রসনা মপুংনি (অঙ্গানি) অতনা মাগী নোঙ্গনননা শৌবা মশামরেংনি। শাস্ত, নচিবা রস অসি নহোশানা শৃঙ্গার রসনা যেক্রবা শ্বগত্র নখে যনা শৃঙ্গার নে ঈননবা শৌই, মংম অতুদা যেক্রবা ওইদে। বাবাদা ফোংদোকপাস্তু মগু, অদুম্না ফো দোকই। "সর্ব্বামানো বিবাহ্রাহণ সাম্নোনাম নিক্ষিণ্ড। চিনাং হুনাম্না যৌ শৌন চা পরস্পরম॥ ৭ ১৭ কারিকা॥" অতোপ্না যেন্নবা রস চতুঃ, মক্ন লইবা রস চতুর্থ নোঙ্গননবা তৌবনদি খোয় অনি অতু যেন্নবা বোনা য়াদে। রসকা মতংদা তংশাম্না রস পুম্নমক শৃঙ্গার রসকা ফজননবা নোঙ্গননবা শৌই গা পাণাচম্পা লাইবিকস্ সাসিগী তুংনবা প্রমাণ ফংদা; "অথ ক্রমবশাদদ্ভুত ভয়ানক-রৌদ্র বীভৎস-করুণ-বীর-হাস্য-শান্ত-শৃঙ্গার বশা শৃঙ্গ রাস্ত্রকুলতয়া যথা যাগ্য রসয়িতৃ।সাদিতা গ, ৭।৫৫॥—চণ্ডীদাস দাসপং-শিংনা অদ্ভুত, ভয়ানক, রৌদ্র, বীভৎস, করুণ, বীর, হাস্য, শান্ত অমসু শৃঙ্গার-রস খুদি মক্কা হাকপা মহাও চুহংনবগীদমক শৃঙ্গার রস তুংইন্নুনা লীলাশক্তিনা মতিকচাবা ভাব ফোংদোকই।"

রস-লীলানা অওবপা ফংনা ফজরিব অসি শৃঙ্গার-রসনা মপুং ফানা শাংথাইব অমসুং মাতগী নতুংইনবা ওইনা রস পুম্নমক ফোংদোকপননি, ব্রজ বৃন্দাবন নত্তুনা অতৈ বরিগুণ মফমদা (ধামদা) রাস শাল্পদে অমসুং স্বয় রাধা নল্পা অতৈ বরিগুম্না ধামগী কান্তাশিংগী (চান্নবীশিংগী) লোঙ্গনবীনস্তু রাস শাল্পবা চংথোপ্না ফজবা উমদে।

৭০। গোবিন্দ পেলহনবী— শ্রীগোবিন্দগী নুংঙাইনবা পীনবী (রাধা)। শ্রীকৃষ্ণবু রস চুপহপ্না হাঙ্গচুনা মাগী-লীলাদা তেংবাংঙা হাঙ্গচুনা অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী মথল-মথা অযাম্বা

তথাহি বৃহদগৌতমীয়তন্ত্রে--
দেবী কৃষ্ণময়ী প্রোক্তা রাধিকা পরদেবতা।
সর্ব্বলক্ষ্মীময়ী সর্ব্ব—কান্তিঃ সম্মোহিনী পার॥ ১৩

অস্যার্থঃ

দেবী কহি—দ্যোতমানা পরম--সুন্দরী।
কিম্বা কৃষ্ণ—পূজা—ক্রীড়ার বসতি নগরী।। ৭১

অর্থ :—

দেবীগী অর্থ—কুচু লংবী পরম্-সুন্দরী।
নত্রগা কৃষ্ণগী-পূজা-শান্নকম্ নগরী।। ৭১

গৌর-কৃপা টীকা

নুংঙাইবা পাংথোকহল্লী হাঙইদুনা শ্রীরাধাবু গোবিন্দ পেনহনবী হাঙইরিবনি। গোবিন্দ মোহিনী – শ্রীগোবিন্দবু শুমহংপী। রূপগুণা, ফজবা মাধুর্য্যদা, সাইওন-হৈশিংবদা শ্রীকৃষ্ণবু মরম পূন্নমক্তা শুমহংপা ঙম্মী হাঙইদুনা শ্রীরাধাবু গোবিন্দ-মোহিনী কৌই। শ্রীকৃষ্ণগী নিংথিজবা মাধুর্য্যনচিংবনা জগৎ পুন্নমকপু শুমহংলি ; অদুম ওইবা শ্রীকৃষ্ণবুসু শ্রীরাধাগী রূপ-গুণচিংবনা শুমহংলি। গোবিন্দগী লল—শ্রীকৃষ্ণগী মথল-মথ। অন্নারা সম্পত্তি ললগা মান্নবা (শ্রীরাধা)। মথল পূন্নমক্কী সম্পত্তি লল মতম অমতদা অমুক্কুদা ফংবা থোক্কবদি মী অদুনা য়াম্না নুংঙাইজে, শ্রীর ধাগা সঙ্গ (লোঙইনবা) ফংজবদা শ্রীকৃষ্ণনা নাহুনগী শরুক য়াম্না হেন্না নুংঙাইজে ; অদুগা সম্পত্তি পূন্নমক অদু মাঙখ্রবদি নত্রগা মীনা দুখবদি য়াম্না রাই, শ্রীরাধাবু ফংনিংবগী মরমদসু অদুদগী শরুক য়াম্না হেন্না শ্রীকৃষ্ণনা রাই ; থরাই কাওবা থাদোক্লগা শ্রীরাধাবু ফংনি হাঙইরবদি মাদুদা শ্রীকৃষ্ণনা চিংনবা লৈতে ; মরম পূন্নমক অসিনা শ্রীরাধাবু গোবিন্দগী লল সম্পৃত্তি হায়রিবনি। কান্তা পূন্নমক্কী মকোক্তি—শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী-শিংগী মনুংদা মকোক্তি অণোইবীনি। লক্ষ্মীশিং, ইবেম্মা রুক্মিণীনচিংবী অমসুং ব্রজগী ইবেম্মশিং পূন্নমক্কী মনুংদা রূপগুণ, হৈশিংবদা হিরম খুদিংমক্তা শ্রীরাধানা খুইদগী পুনহেন-হেনবী মকোক্তি।

শ্লোক। ১৩। অন্বয়। রাধিকা (রাধা) দেবী, কৃষ্ণময়ী (কৃষ্ণগী মশক্তি) পরদেবতা (অথোইবা লাই) সর্ব্বলক্ষ্মীময়ী (লক্ষ্মীশিংগী মরু, ঐশ্বর্য্য তরুক্কী থোরকফম ওইবী) সর্ব্বকান্তিঃ (নিংথিজবা খিবিক্না তিনবী) সম্মোহিনী (গোবিন্দবু শুমহংপী) পরা (অথোইবী) প্রোক্তা (অপূন্না হাঙইনৈ)।

গৌর-কৃপা টীকা

অনুবাদ শ্রীরাধিকা দেবী, মহাক কৃষ্ণগী মশক্তি, মহাক অথোইবী লাইনি, পুম্নমক্কা নীংনফম্নি মহাক লক্ষ্মী পুম্নমক্কী থোকফম্নি, মহাক নিংথিজবা থিবিক্কা তিনবীনি, মহাক কৃষ্ণবু শুমহংপীনি অমসুং মহাক্কা শক্তি—অথোইবীনি—মতৌ অসুম্না হাঙ্গনৈ। ১৩

গ্রন্থকার মশানা মতুংগী পয়ার ৭১—৮১ দা শ্লোক্তা য়াওরিবা শব্দ পুম্নমক্কী চপ-চাবা অর্থ ফোংদোক্লি ; মমম অতুনা মফম অসিদা শাংনা ইজদরে।

শ্লোক অসিদা য়াওরিবা "রাধিকা" শব্দ অসি বিশেষ্যনি, অতুগা 'দেবী" নচিংবা মাহৈ ময়াম অসিনা রাধিকাগী বিশেষণনি। শ্লোক্তা য়াওরিবা "দেবী" শব্দ অসি মথক্কী পয়ারদা য়াওরিবা "গোবিন্দ পেনহনবী" "গোবিন্দ-শুমহংপী" "সর্ব্ব-কান্তি" "গোবিন্দগী লল, "লক্ষ্মীশিংগী মরু" "কান্তা পুম্নমক্কী মকোক্লি" শব্দ ময়াম অসিগী প্রমাণ্নি।

পদ্মপুরাণ-পাতাল খণ্ডদসু অসিগুম্বা শ্লোক অমা লৈ। "দেবী কৃষ্ণময়ী প্রোক্তা রাধিকা পরদেবতা। সর্ব্বলক্ষ্মী স্বরূপা সা কৃষ্ণাহ্লাদস্বরূপিনী ।। ৫০। ৫৩ ।।"

৭১। শ্লোক্তা য়াওরিবা "দেবী" শব্দগী অর্থ তৌজরি। দিব-ধাতুদগী "দেবী" থোক্‌ই। দিব-ধাতুগী অর্থদি পেনবা, জগৎজয় তৌগে হাঙ্গনা নীংবা, লল, শীজিন্নবা, কুচু লংবা মঙান, শান্নবা, পাঙ্গল (শব্দ—কল্পদ্রুম) অমসুং চুকান হাঙ্গবা য়াই। অর্থ ময়াম অসিগী মনুংদা গ্রন্থকাবনা কুচু লংবী (মঙান), শান্নবা, পেনবা অমসুং চুকান অর্থ খরা অসিদা খনগৎলগা দেবী—শব্দগী অর্থ তৌরে।

দেবীগী অর্থ কুচু লংবা—কুচু লংবী হাঙ্গবদি অরংবা মঙাল চেনবী, জ্যোতির্ম্ময়ী; মহাক্কী মশক্কী মঙান অতুনা পুম্‌ঙান—ঙানবা পরম সুন্দরী—মহাক্কী মশক্কী মঙান অতুনা পুমঙান ঙানবা অতুদা পরম সুন্দরী (য়াম্না—নিংথিজবী) হাঙ্গবনি। মাসিনা দেবী-শব্দগী অর্থ অমনি। অনিশুবা পয়ার তংখাইদা অতোপ্পা অর্থ অমা তৌরি। নত্রগা—অমদি ; মশুং অমা শুইনা অর্থ তৌজরি। পূজা—মাবু পূজা তৌবা ; পূজা তৌবা; হাঙ্গবসি মাবু পেম্নবগীদমক পূজা তৌবনি। (দিব-ধাতুগী পেনবা' হাঙ্গনা অর্থ তৌবদা ,পূজাবু খঙনৈ)। শান্নফম—লীলা তৌফম (দিব—ধাতুগী-অর্থ 'শান্নবা' হাঙ্গনা লৌবদা) নগরী—জাতী-মখল-মখলগী মী ময়ামগী লৈফম অমসুং থুং-শা-হৈবা—লাক্লোন—ইতিক্কী মফম্, নগর অমদি নগরী কৌই ; নগরদা মখল-মখলগী মুমসু লৈ (দিব-ধাতুগী অর্থ চুকান শুইনদা)। কৃষ্ণগী-পূজা-শান্নফম নগরী—মাসি দেবী—শব্দগী অতোপ্পা

গৌর-কৃপা টীকা

অর্থ অমনি ; মাগী চপ-চাবা অর্থদিঃ—শ্রীরাধা দেবী হাঙৈবদি নগরী, নগরগা মান্নবা (সহরগা মান্নবা) নগরী অহৃদা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগী (পূজাগী) অমম্ভুং শান্নবগী মখল-মখা অয়াম্বা মচাক লৈ। মহাভাবকী মশক ওইবী শ্রীরাধাদা কিলকিঞ্চিতনচিংবা মখল-মখা অয়াম্বা ভাব, মান-প্রণয়নচিংবা মখল-মখলগী অঙকপা প্রেম, রূপ-গুণস্থ শিংথাবা ঙমদনা অঙকপা ফংনা লৈ। মখোয় খুদিংমক্লা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা (পূজাগী) মরম ওই, পূজাগীদমক চঙ্গদবা পোং ময়াম অহু নগরগী (সহরগী) ভুকান পুন্নমত্তা ফংঙী, অহু-গুমহুনা শ্রীকৃষ্ণ পেন্নবগী মরম ওইবা পোং পূন্মক অহু শ্রীরাধাদা ফংঙী ; মরম অহুনা শ্রীরাধাবু কৃষ্ণগী পুজা শান্নফম নগরী হাঙৈরিবনি। রাসনচিংবা—লীলা শান্নবদা চঙ্গদবা গুণ, থৌরম পুন্নমক অহু শ্রীরাধাদা মপুং ফানা লৈ ; মরম অহুনা শ্রীরাধাবু কৃষ্ণ শান্নবগী মফম নগরী হাঙৈরিবনি—নগরদা (সহরদা) মীগী পুক্নিং গুমহৎনবা শান্নবা পোং চাং য়াম্না ফংঙী, অহুগুমহুনা শ্রীরাধাদস্থ শ্রীকৃষ্ণগী পুক্নিং হুননবগী অমম্ভুং শান্নবগী মচাক চাং য়াম্না লৈ। অহুগী নগরদা জাতি মখল-মখলগী মী লৈ, মীশিং অহুনা নগর অহুবু ফজহল্লা, (মী লৈত্রবদি নগর কৌবা য়াদে) নগবগী ভুকামচিংবদা লল্লোন পোংনচিংবা লৈথোক-লৈসিন, য়োম্থোক-য়োনসিন তৌই, মখোঙ্গী অহুস্থ নগর অহুগী মশা-মহুং চল্লী ; অহুগুমহুনা শ্রীরাধাগী কায়ব্যূহ ওইবা থোগন্নবা সখীশিংস্থ শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক শ্রীরাধাগী তেংবাংঙী, অহুনা মখোয় অহুস্থ মহাক্কী হকচাংগী মম্নুং চল্লী ; মা য়াম্না কূংনা তাবা অহুনা নগরগী ফজবা থোগৎপা হেনগৎহল্লী ; অহুগুমহুনা মখল-মখলগী ভাবনা তিনবা সখীশিং-নস্থ শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা অঙকপা ফংনা তৌই।

অমদি, দীব্যনি ক্রীড়তি অস্মামিতি দেবী, দিব-ধাতুগী অর্থ শান্নবা হাঙৈনা লৈরবদি শান্নবা য়াবা অহুব দেবী কৌবা য়াই। গ্রাম (খুঙ্গং) দগী নগরী (সহর) দনা শান্না হেল্লী, অঙক-অঙকপগী মশান্নবা উবা ফংঙী ; মরম অসিনা নগরীবুস্থ দেবী হাঙৈনা য়াই। দেবী—নগরী।

শ্রীরাধাবু দেবী হাঙৈরি ; মরম অহুনা শ্রীরাধাদি শান্নবগী মফম (শান্নফম) নগরী ওইরে। কনাগী শান্নবগী মফমনো ? শ্রীকৃষ্ণগী শান্নবগী মফম্নি ; শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাদা শান্নে হাঙৈহুনা শ্রীরাধাবু নগরী হাঙৈরিবনি। শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগী (পূজাগী) অমম্ভুং শান্নফমগী মশক ওইনা নগরীনি (দেবীনি) হাঙৈহুনা শ্রীরাধাবু কৃষ্ণগী পূজা শান্নফম-নগরী হাঙৈরিবনি।

'কৃষ্ণময়ী'—কৃষ্ণ যার ভিতরে-বাহিরে।
যাঁহা-যাঁহা নেত্র পড়ে তাহাঁ কৃষ্ণ স্ফুরে॥

অর্থ :—

'কৃষ্ণগী মশক্তি' মাগী মনুংদা মপান্দা।
কৃষ্ণ ভাক্তা উই য়েংঙ্ য়েংঙ্বা মফমদা ॥৭২

কিম্বা প্রেমরসময় কৃষ্ণের স্বরূপ।
তাঁর শক্তি তাঁর সহ হয় একরূপ॥ ৭৩

অর্থ

অমদি কৃষ্ণগী মশক্তি প্রেম রসকী মওংনি।
মাগী শক্তিগা মাগা মশক অমতনি। ৭৩

গৌর-কৃপা টীকা

পয়ার অসিদগী খঙবা ওম্মী শ্রীরাধা দেবী মহাকী চনদ্রবা শক্তি-মওান্না লংলবানি অমসুং মহাক মশাগা মাগী সখীশিংগা লোঈনদুনা অওকপনা থল্লবা মশান্নবা শ্রীকৃষ্ণবু পেন্নবগীদমক তৌই হাইদুনা মহাকপু গোবিন্দ পেলহনবী কৌই। মরম অসিনা শ্লোক্তা য়াওরিবা "দেবী" শব্দ অসি মথক্কী পয়ারদা য়াওরিবা "গোবিন্দ পেলহনবী" শব্দগী প্রমাণ ওইরে।

৭২। "কৃষ্ণগী "মশক্তি" শব্দগী অর্থ পয়ার অসিদা তোঙ্গরি। কৃষ্ণগী মশক্তি—কৃষ্ণনা য়াম্বা; শ্রীরাধানা খঙবা উবা পোংকী মনুংদা শ্রীকৃষ্ণ'ক্তবু খঙলে, পোং অতৈদি খঙবা রাংলে। মাগী মনুংদা মপান্দা—শ্রীরাধাগী মনুংদা কৃষ্ণ মপান্দসু কৃষ্ণ "মনুংদা কৃষ্ণ" হাঈবগী চপচাবা অর্থ দি মিং উইসিনবদা থমোই মনুংদা কৃষ্ণ উবা ফংঙৌ হাঈবনি, কৃষ্ণ সঙ্গগী মুংঙাইবা ফাওই। "মপান্দা কৃষ্ণ" হাঈবগী অর্থদি মিংনা য়েংঙ্-য়েংঙবা মফম খুদিংদা শ্রীকৃষ্ণবু নীংশিংঙৌ (ফাওই) হাঈবনি। তোমাল পার্শ্বাদা নত্রগা অনৌবা নোংদা য়েলুয়গা শ্রীকৃষ্ণগী কুচু নীংশিংলকই; চূমথাং উরুবগা কৃষ্ণগী চূড়া রাহোং-মতু নাংশিংঙী; আকাশতা পাইবা উরোক পরেং উরুরগা শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা শিরিবা মুক্তা পরেং নীংশিংঙা; লৈ পাম্বা উরুরগা কৃষ্ণগী থবাক্তা শিরিবা লৈ-পরেং নীংশিংঙী; ষনবী-যন্নাও উরুরগা শ্রীকৃষ্ণনা যণ শেনবা নীংশিংঙী; মাখন শঙ্গোম উরুরগা শ্রীকৃষ্ণনা চাবগী মরম নীংশিংঙী; মতৌ অস্সুম তোঙ্দুনা করিশুম্বা পোং অমা হেক উরুবদা শ্রীকৃষ্ণবু হেক্তা নীংশিংঙী। মপান্দসু মফম-মফম খুদিংমক্তা মহাক্তা কৃষ্ণবু উই।

৭৩। প্রেম রসকী মওং অসিনচিংবা—শ্রীকৃষ্ণদি প্রেমগী মশক্তি; ইবুংঙো মহাক্কী হকচাং অসি প্রেম অমসুং রসনা ওইনি (শারমি) মাগী শক্তি—কৃষ্ণগী শক্তি; মফম অসিদা

কৃষ্ণ বাঞ্ছা-পূর্ত্তিরূপ করে আরাধনে।
অতএব 'রাধিকা' নাম পুরাণে বাখানে।। ৭৪

অর্থ:

কৃষ্ণগী নীংবা থুংহনবতা নীংঙি হাঙ্গীহুনা।
মমিং 'রাধিকা' থোল্লী পুরাণ্ডা লৈ ইহুনা।। ৭৪

গৌর কৃপা-টীকা

শ্রীরাধাবু মাগী শক্তিনি হায়রি। মহাক হ্লাদিনীগী মূর্ত্তিনি হাইহুনা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনি। মাগী মশক অমত অমত— শ্রীকৃষ্ণগা রাধাগা মশক অমত্তনি শক্তি অমসুং শক্তিমানগা খেন্নদবনা। রাধাগা কৃষ্ণগা মশক অমত্তাগী নত্তে হাঙ্গীবির্বনি। শ্রীকৃষ্ণনা প্রেমগী মশক ... শক্তি, মরম অদুনা শ্রীরাধানি কৃষ্ণগী শক্তি (হাঙ্গীনদি প্রেম বসকী শক্তি), ... কৃষ্ণগী মশাক্ত।

শ্রীরাধিকা ... ব্রজগী ফজবী পুম্নমক) প্রেম-বসকা ... অমসুং ... "আনন্দচিন্ময় রস প্রতিভাবিতাভিস্তাভির্য এব নিজরূপতয়া কলাভিঃ। গোলোক এব নিবসত্যখিলাত্মভূতো গোবিন্দমাদি পুরুষং তমহং ভজামি॥ ৫। ৩৭" ... শ্রীরাধা কৃষ্ণ খেন্নদবগী মরম পদ্মপুরাণ পাতাল-খণ্ডা ... হৌরি। "... বিদাতে ভেদ স্বল্পোঽপি মুনিপুঙ্গব। ৫০। ৫৫।"

৭৪। হৌজিক শ্লোক ... "রাধিকা" শব্দগী অর্থ ফোংদোকচনি। রাধ - ধাতুদগী রাধিকা শব্দ থোকই। রাধ ধাতুগী অর্থদি নীংবা পেন্নবা তৌবা (আরাধনা — সম্যক পূজাবিধান) হায়রিনি। নীংহুনতা লৈরিবা মুপী অদুবু রাধিকা কৌই। শ্রীকৃষ্ণনা পেন্নগা নংজরিবা পুম্নমক মতৈ য়াম্না থনজবা, মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নীংবা থুংহনবনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা হাঙ্গীবহু থেংগনি হাঙ্গীনা নীংজরিবা মুপী অদু আরাধিকা অর্থাৎ রাধিকা কৌই। কৃষ্ণগী নীংবা থুংনবতা — কৃষ্ণগী নীংবা থুংহনবা। কৃষ্ণগী নীংবা থুংনবা নীংঙি হাঙ্গীহুনা ইবেম্মা মহাক্কা মমিং রাধিকা কৌই; শ্রীকৃষ্ণগী নীংবা থুংনবা

তথাহি (ভা ১০।৩০।২৮)
অনয়ারাধিতো নূনং ভগবান্ হরিরীশ্বরঃ।
যন্নো বিহায় গোবিন্দঃ প্রীতো যামনয়দ্রহঃ॥ ১৪

গৌর-কৃপা টীকা

হোৎনবা হাঙবা অসি শোই। য়াদ্রবা থবক্তি হাঙনা খন্দুনা চংথরিবা থবক অদু নীংবা হোৎনবা হাঙবা অদুনি। মেবা তৌদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নীংবা থুংননবা হোৎনবা অসি, শোঙবা-হাঙবা অদুনি। য়াদ্রবা তৌগদবা থবকমক্তি খন্দুনা চংথরিবা থবক অদু ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণবু নীংবগী খুদম্নি। শ্রীরাধানা মতৌ অদুম্না নীংঙি হাঙদুনা ইবেম্মা মহাকী মমিং রাধিকা থোল্লী। পুরাণগী শ্লোক অমতং প্রমাণ ওইনা পীজরি।

শ্লোক। ১৪। অন্বয়। অনয়া (মুপী অসিনা) হরিঃ (ভক্তগী অৱাববু হুরাননা) ঈশ্বরঃ (ভক্তগী অনাংবা ওত্ত পীবিবা ও) ভগবান (শ্রীনারায়ণ) নূনং (শোইদনা) আরাধিতঃ (নীংলে)। যৎ (মরম অদুনা) গোবিন্দঃ (গোবিন্দনা-শ্রীকৃষ্ণনা) প্রীতঃ (পেননা: [মন] ওইদুনা) নঃ (ঐখোইবু) বিহায় (থাদোক্লুনা) যাং (মুপী অদুবু) রহঃ (অচিকপা মফ দা) অনয়ৎ (পুখরে)।

অমদি, হে অনয়াঃ (প্রেম নীতি-জ্ঞান য়াওদবীশ) ভগবান (ফজবা প্রেম চৈবা) ঈশ্বরঃ (নখোয়বু লৌনম তৌবা ওম্বা) [অয়ং] (মসিনা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) নূনং (শোইদনা) রাধিতঃ (রাধাবু ফংখরে); যৎ (মরম অদুনা) নঃ ঐখোয়বু ফজবী ঐখোয়বু) বিহায় (থাদোক্লুনা) গোবিন্দঃ (ইন্দ্রি পুম্নমকপু লুংঙাইহনব ওম্বা গোবিন্দনা রাধাগী শাম্নীংদুনা) প্রীতঃ (পেননা) [মন] (ওইদুনা) যাং (রাধাবু) রহঃ (অচিকপদা) অনয়ৎ (পুখরে)।

অনুবাদ। মুপী অসিনা ভক্তবু অৱানা কোকহনবা অমসুং ভক্তবু নীংবা থুংহনবা ভগবান শ্রীনারায়ণবু শোঙদনা নীংলম্লগনি। মরম অদুনা, গোবিন্দনা মাবু পেনবিরদুনা ঐখোয়বু থাদোক্লগা ঐখোয়না চংপা ঙম্লরোইদবা অচিকপা মফম অমদা ইবেমা মহাকপু পুবিখ্রবনি॥ ১৪

অমদি, হে অনয়াশা। (য়াম্না গুণ চেল্লবী মুপী অসিগা অৱেপদা মাগী হাঙনা থম্লিবী প্রেম—নীতি-জ্ঞান—লৈতবী মুপীশা!) নখোয়বু লৌনম তৌবা ওম্বা (ঈশ্বর),

গৌর কৃপা-টীকা

অমসুং ফজবা প্রেম লৈরবা (ভগবান) হৌবা অসিনা গোঙদনা রাধাবু কংখরে; মরম অদুনা ঐখোয়বু থাদোক্লা। মুপী অদুগী (রাধাগী) ইন্দ্রি-পুন্নমক্না শান্নবগীদমক গোবিন্দনা পুক্নিং হুরাণনা (পেল্লদুনা) মহাকপু অচিকপা মফমদা পুনিশিল্লবনি ॥ ১৪

শ্লোক অসি শ্রীরাধাগী মিচংদা লৈবা সখীশিংগী ৱাহৈনি। শরৎ থাগী রাস শান্নবগী অহিংদা শ্রীকৃষ্ণনা রাসমণ্ডলীদগী ইথঙ-থংহৌদনা চাঙখি, মতম অদুদা মাবু থেৎনং-বনা ৱারদুনা গোপগী ফজবী পুন্নমক অদুনা মাবু লো লোন (বন—বন) থুদিংদা থিবা হৌরক্লে। মখোয় পুন্নমক শদুদা লোইনা লোইথি থিরকপদা লেনগী চিরবা মফম অমদা থুংলবে। মখোয়না মফম অদুদা শ্রীকৃষ্ণগী খোঙ্‌চুৎ লৈবাক্তা উবা অদু উবা ফংলে; মখোয় পুন্নমক্না শ্রীকৃষ্ণগী খোঙ্‌চুৎলগী মশক খঙই, মরম অদুনা মখোইনা ভাব থবা তাবা ওল্লে। শ্রীকৃষ্ণগী খোঙ্‌চুৎ অদুগা লোইননা মনাক্তা পিরপ তৌবা মুপীগী খোঙ্‌চুৎ শযামুন অদু উব ফংলে, তৌইগুম্বসু খোঙ্‌চুৎ নয়াম অদুদি কনাগীনো হাঙবা অদুদি, মখোয় ঙযাংনা থৎবা ঙমদে, শিরাধগী মিচংগী সখীশদি শ্রীরাধাগী খোঙ্‌চুৎ মশক খঙই, অদুনা মখোইতনদি খোঙ্‌চুৎ মরাম অদু শ্রীরাধাগী খোঙ্‌চুৎ তশেংবনি হায়বা খঙলে, খোঙ্‌চুৎ তারগী মখা অদু উবদা মখোইনা খঙই শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা মখোযগী মথরাইনা মুশিজবনী শিরাধাম্ব লেবে, শ্রীকৃষ্ণনা রাস মফমদগী মাচথগা শ্রীরাধাবু পুথ্রবনি। শ্রীরাধাগী লাইবক ফবগী পুদন অসি ফবদা মখোয়না যাম্না নুংঙাইজবে। শ্রীরাধাগী মিচং নত্তবা হাঙনদি লোইনবা কাংবু নত্তবা (চন্দ্রাবলীগী মিচং হাঙবদি কাংবু) অমসুং নয়াই লেপ্পা কাংবু গোপনী মুপী পুন্নমক মফম অদুদা লৈরম্মী, মখোয়না শ্রীরাধাগী খোঙ্‌চুৎ অদু খঙজদবা মরম্না মসুংগী অর্থ লৈনা রা অদু খঙলমদে—কনাগুম্বা লাইবক ফবা মুপী অমদি শ্রীকৃষ্ণগা সঙ্গ (লোইনবা) ফংজনগী লাইবকফবী হায়বদু খংখরে, হাঙবা তৌদা মখঙই, তৌইগুম্বসুং লাইবকফবী অদুদি কনানো হাঙবা অদু মখোয়না খঙবা ঙমজদে, শিরাধগী মিচং লোইনবী কাংবুনসু মাদু ফোংদোক্তবে, তৌইগুম্বসুং পুক্নিংদা যাম্না নুং-ঙাইজনা অমদি ফওখি, অদুদা লাইবক-ফবী মুপী অদুগী (শ্রীরাধাগী) লাইবক ফবা-বিবা অদুগী মরমদা হাঙনাংবা অমা পানবপা অদুদি থারা ঙমখিদে (তুনিনা হাঙদাননা লৈবা ঙমদরে), মমম অদুনা শ্রীরাধাগী মিংদি হঙিং তৌদুনা থম্লগা মখোয়না (শ্রীরাধ-গী কাংবুগী সখীশিংনা) মাগী মরাইবক ফবগী নবদা হাঙবক্তহ 'অনয রাধিতো

গৌর-কৃপা টীকা

নুমং" অসিনচিংবা। শ্রীরাধাগী মরাইবক কবা শিংথাবগা লোয়না-লোয়নবা লৌশিং-তৌহনা অতোপ্পা কাংবুশিংগী লাইবক থীবসু ইঙ্গিৎ তৌরকই। অমা ওইগে ওইলসু, শ্লোককী অর্থ অসি অমদগী হেন্না তৌবা য়াই। মথং মথং ওইনা কোংদোকচরি।

অহানবদাঃ—হরি, ঈশ্বর অমসুং ভগবান বাহৈ অহুম অসি শ্রীনারায়ণবুনি হাঙ্গইহনা হাঙ্গইরিবনি। শ্রীকৃষ্ণদা গোপ সুন্দরীনা অশেংবা-মাধুর্য্য প্রেম লৈ, শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য জ্ঞান অসি মখোঙ্গগী থমোইদা চঙবা ঙমদে; ঈশ্বর হাঙ্গইরগা মখোঙ্গনা মহৌশানা শ্রীনারায়ণবু খঙলৈ; নারায়ণনা নরলীলাগী (মী ওইবগী লীলাগী) ব্রজবাসীশিংগী নীংননবা ভগবানি (উপাস্য ভগবানি); মরম অদুনা ব্রজবাসী পূয়মকী মতৌগুম্না গোপ সুন্দরীশিংসু (গোপগী কন্যাশিংসু) মপুক্লিংনা নীংঙী, শ্রীনারায়ণগী কৃপানা মীগী অনীংবা থুংহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা মখোঙ্গনা মপুক্লিংদা খল্লী, ভগবান শ্রীনারায়ণনা মহাক্কী ভক্তশিংগী মথল-মথা অয়াম্বা অরাবা হুরানী, মরম অসিদগী মহাক্কী মমিং অমসু হরি কৌই; অদুগা মহাক ঈশ্বরসু ওই। মরম অদুনা মহাক্কী ভক্তশিংগী অনীংবা অদু দান তৌবসু ঙম্মী।

শ্রীরাধাগী মিচং ওইবা সখীশিংনা হাঙ্গ, "লাইবকফবী সুপী অদুগী খোঙ্গুলগা শ্রীকৃষ্ণগী খোঙ্গুলগা লোঙ্গননা উরে, মাসিদা ঐখোয়গী পুক্লিংনা নীংঙী—শ্রীকৃষ্ণবু সেবা তৌজহনা নীংবা থুংহনগে হাঙ্গনা মহাক্না, ভগবান শ্রীনারায়ণবা শেঙ্গইদনা নীংঙমগনি, মহাক্না নীংবা অদুদা পেল্লহনা শ্রীনারায়ণনা নীংবা থুংহনখিবনি (অরাবা হুরানখিবনি, মরম অদুনা মহাক্কী মমিং অমসু হরি কৌই), অমসুং সুপী অদুগী অনীংবা অদুসু দান তৌবিখি (মরম অদুনা মহাক ঈশ্বরনি) অমসুং সুপী অদুগী মফমদা কৃপা তৌবিহনা শ্রীনারায়ণনা শ্রীকৃষ্ণগী মপুক্লিংদসু সুপী অদুগী মফমদা হেন্না চানবীবা অমসুং অনুরাগ তৌহল্লীবনি (ঈশ্বরনি হাঙ্গইহনা নারায়ণনা মাদুসু তৌবা ঙম্মী)।"

মতৌ অসুম তৌনা অনুমান তৌবগী মরমসু মখোয়না হাঙ্গইরি; মাদুদি অসিনি—"য়েংবিয়ু, শ্রীকৃষ্ণবু মী পূয়মক্না গোবিন্দ কৌই, মাদুগী মরম লৈরি; গোকুল পূয়মকপু ঙাকপি হাঙ্গইহনা গোবিন্দ হাঙ্গইরিবনি। মহাক্না গোকুলদা লৈরিবা মী পূয়মবপু মহৌশানা চপ মান্না উবি; মী পূয়মক্না চপ মান্না লোঙ্গনবা ঙম্বা অসি, ঐখোয়না মহৌশানা থক উরক্তি; মহাক্না মতৌ অসুম্না তৌবা ঙম্বা অসি ওইথোক্তবনি—শক্তি খিবিক পুথোকপা ঙম্বা ভগবান নারায়ণনা তৌহনবা নত্তনা অতোপ্পা কনানসু গোবিন্দগী মতৌগুম্না মী

গৌর-কৃপা-টীকা

খুদিংমক্তা চপ মান্নবা লোইনবা ওম্বা, মী খুাইদগী হেন্দোকপা মতৌ অসি তৌবা ওমগনি হাঙ্গনা নীংদে। হৌজিক গোবিন্দগী, চপ মান্নবা উবা ওম্বা খুাইদগী হেন্দোকপা শক্তি লৈবা উরে—ঐখোয় পুম্নমক্তা লোঙ্গননা রাস শান্নফমদা জগোই শান্নবনি, অদুবু অতোপ্পা কন্নবী পুম্নমকসু রাস—শান্নফমদা থাদোক্লমগা। মহাক্না লাইবক-ফবী রুপী অসিগা লোঙ্গনদুনা মীনা চঙবা ওম্লোইদৌবা বন (বোন) গী অচিকপা মফম অমদা লৈরম্বে, মরম অদুনা হাঙ্গদ্রিব। অসিনি, ঈশ্বর নারায়ণগী শক্তি নত্তনা গোবিন্দগী থমোইদা মতৌ অসুম্না মিচং-মিথায় নাইবা রাথন পোকলোইদবনি, অমসুং রুপী অদুনা নীংজবদা পেল্লদুনা নারা-য়ণা মতৌ অসুম্না তৌহল্লিবনি। গোবিন্দ সেবা পাম্ব। অদু থমোইদা চেংনা থম্মগা, ঐখোয় কনা অমত্তনা নারায়ণ নীংদি (খুরুমজ্রি), অদুনা ঐখোয়গী মম্নুংদা কনা অমতসু শ্রীগোবিন্দনা অচিকপা মফমদা পুবিজ্রিবনি।” মফম অসিদা ইঙ্গিৎ তৌদুনা তাক্লিবদি, ঐখোয়গী সখী রাধিকাবু শ্রীকৃষ্ণনা খুাইদগী হেন্না চাল্লী, অমসুং লাইবক কবসু রাধিকানা খুাইদগী হেল্লী। অতোপ্পা কনাগুম্বা রুপীদা (শ্রীরাধিকাগী মিচং নত্তবা রুপীশিংদা) শ্রীকৃষ্ণনা মতৌ অদুগুম্না য়োনা নুংশিদে অমসুং লাইবক কবগী মরমদসু শ্রীরাধিকাগুম্না লাইবক কবা য়োবা ওমদে।

অশেংবা ঈশ্বরবু নীংলিবী রুপী অদুবু রাধিকা কৌই। মাসি রাধিকা শব্দনা থোরকপগী অর্থনি। শ্লোক অসিদা “অনয়ারাধিত” নাচংবা বাহৈনা লৌশিং তৌদুনা রাধিকাগী মিংসু হাঙ্গরে। অতোপ্পা মীচঙগী গোপীশিং য়াওবা মরম্না মখোঙ্গনা কন্নক-থিগনি হাঙ্গবগী চিংনবনা তশেং-তশেংনা শ্রীরাধাগী মমিংসু ফোঙদোক্তে।

সেবা তৌজদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নীংবা থুংননবগীদমক শ্রীবৃষভানুগী মচানুপীনা নারায়ণবু নীংথি; মবম অদুনা কৃষ্ণবু নীংবা থুংহন্নীংবনা মাগী নীংজবগী মরম্নি, অদুনা মাগী মমিং রাধিকা কৌরিবনি। মতৌ অসুম্না শ্লোকী মথক থংবা পয়ারগী ব্যাখ্যা তৌজরে।

অনিশুবদা—হরি, ঈশ্বর, অমসুং ভগাবান বাহৈ অহুম অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু থগুনৈ; শব্দ অহুম অসিগী অথম্নবা অর্থ অমমম লৈ। হরিগী অর্থ—মী পুম্নমক্কী পুক্লিং থন্নাই (প্রাণ) হুন্নাল্লী হাঙ্গদুনা হরি কৌই, মহাক অদু শ্রীকৃষ্ণনি। ঈশ্বরগী অর্থ—মহাক্না লৌনম তৌবদা ক্ষমা হৈবা। ভগবানগী অর্থ—নিংথিজবা অমদি কামাতুর (প্রেম লৈবা)। অমব কোংবী মোংতা ভগগী অর্থ নিংথিজবা হাঙ্গ, কানসু হাঙ্গ, ভগ ক্ষাইবদি কজবা

গৌর-কৃপা টীকা

অমদি কাম লৈবা মাগী, মহাক ভগবান্নি। অনযা অমস্তুং রাধিতঃ শব্দ অনি অসি তিন্নরগা "অনয়ারাধিত" থোকই—অসুম্না খল্লী। রাধিত—শব্দগী অর্থ মফম অসিদদি অনীংবা নত্রে, রাধিত—রাধাবু ইত হাঙ্গবদি ফংবা। হরিনা রাধিত ওইবে, হাঙ্গবদি রাধাবু ফংলে। অনয়া—শব্দগী অর্থ নীতি-জ্ঞান য়াওদবী।

শ্রীরাধাগী মীচং ওইবী গোপী অমনা অতৈ অতোপ্পা গোপীশিংদা হাঙ্গবমী—"হে অনয়াঃ! হে নীতিজ্ঞান থওদবী মুপীশা। শ্রীকৃষ্ণনা ঐখোয়বু খঙহন্দনা পুথিবী মুপী অদু, নখোয়না নখোয়গা মান্নে হাঙ্গনা খনবা য়াই, অদুবু নখোয়না খল্লীবা অদু অরেম্বনি, অরেম্বদা খল্লবা অদুগীদমক নখোযবু প্রেমগী নীতিজ্ঞান য়াওদবী হাঙ্গরিবনি অচুম্বা বা হাঙ্গগে তাও। পুম্নমক্না খওলিবনি, শ্রীকৃষ্ণদি য়াম্না ফজে, মাগী ফজবা অদুমক্না মহাক্না ঐখোয পুম্নমক্কী থমোই পুক্নিং হুখরে, মহাক্কী ফজবা অদুনা চিংসিনখিদুনা শাগেগী মৌ ওইবরস্ত্র ঐখোয় পুম্নমক্না নীচিক-মীবাওখোন তাত্রবা মতম অসিদা অচিকপা নারক অসিদা লাক্লিবনি। তসিনস্থ নখোয়না খঙঙ,—মহাক্তি প্রেম য়াম্না খৌরা বমি (কামাতুরনি)। মরম অদুনা ঐখোয গোপী কোটি চামনা বাস মফমদা কোইসিল্লবস্থ মাঙান্দা প্রেম খর হেন্না লৈব। অমবু খন্দুনা লোঙ্গনবগা অচিকপা মফম অসিদা মনীংতম্না প্রেমগী সেবা লোগে হাঙ্গবগীদমক নাঙথ্রিবনি। শ্রীরাধা নত্তনা নখোয়গী মনুংদা কনাস্থ প্রেম মচিক-চানা লৈবা য়াওদে। মবম অদুনা হন্বি শ্রীকৃষ্ণনা ইথোঙ্গ শোঙ্গদনা রাধাবু ফংথ্রবনি (পুথ্রবনি), মহাক্না মাবু পুম্নগা অচিকপা মফম অসিদা যৌবম্নে। মহাক্না লোঙ্গনবগী মুংঙাইবা অদুনা মবম ইঙনা ঐখোয়বু ননথাক (লৌনম) তোগ হাঙ্গবগীদমক মহাক্না ঐখোয়বু থাদোকপিরম্লবনি, লৌনম তৌবগী মরমদদি মহাক্তি য়াম্না হৈশিংঙী (মরম অদুনা হিরম ভাদোমদদি মহাক্তি ঈশ্বনি), অদুনা ঐখোয়বু থাদোকপিবম্লগা রাধাগা লোঙ্গ-নখিবা মতমদা ঐখোয় কনা অমতনা খঙবা ঙমদে। হৌজিক্কি শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাবু কয়ামুক য়াম্না নুংশিবগে হাঙ্গবা অদু নখোযনা খঙলরিগনি, অসুম্না নুংশিবা অসিবু নখোয়না নুংশিরব্রা? (অতোপ্পা নীচংগী গোপীশিংবু য়েংলগা হাঙ্গবকই) নখোয়বু নুংশিববদি, মাগা লোঙ্গননা মুংঙাইনা শান্নরম্বা অদুদগী লৌনম তৌদুনা থাদোক্লোইদবনি। অমা-হেকস্তুং নখোঙ্গনদি রাধাগা নখোয়গা মান্নে হাঙ্গনা খল্লি। নখোঙ্গনা খল্লিবা নাপন অদু অরেম্বনি। প্রেমগী হৌনবদি অতৈ পুম্নমকপু থাদোক্লগা মাঙোন্দা প্রেম খম্না হেন্না লৈবা অদুতবু পুদুনা চংপা হোনৈ।—অরেম্বদা নখোযনা নাপন তৌরুবা অদু প্রেমগী বাদি নপুস্নিংদা। হনিং-নিংশিংথ্রমাল্লে—অদুনা নখোয়না লাইাকংফবী রাধাবু কল্লকলিবনি

অতএব সর্ব্ব-পূজ্যা পরম দেবতা।
সর্ব্বপালিকা সর্ব্ব জগতের মাতা॥ ৭৫

অর্থ :—

অচুনা খ্বাইনা পুজা তৌফম অথোইবা লাইনি।
পূম্নমকপু যোক্লিবীনি জগৎকী মমানি॥ ৭৫

গৌর-কৃপা টীকা

ঐখোয় পূম্নমক রাধাগী প্রেমগুম্না শ্রীকৃষ্ণদা প্রেম-লৈবা কনা অমতা য়াওদে, অচুনা মহাক্না ঐখোয়বু থাদোকপিবয়গা চৎখ্রিবনি। শ্রীরাধাদি য়াম্না প্রেম লৈবী ন, সেবা তৌদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নীংবা থুৎহন্দুনা মুংঙাইহনগে হাঙ্গনা য়াম্না কন্না খনবীনি, মাগী প্রেমগী খোবাংবা অচুমক্তনা, প্রেম-লৈবা (ভগবান ভগ=কাম=প্রেম) হবি শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমগী সমুদ্রদা অকনবা ঈথক কাথবে (ঐখোয়গী মমুংদা কনাগুম্বী মুপী অমতগী প্রেম্না নাচুম তৌবা গুমদে)। শ্রীকৃষ্ণদি প্রেমিক্নি, কামুক নত্তে। অচুনা শ্রীরাধাগী প্রেমগী মথা পোল্লা। মাসিনা শিবাধানা কৃষ্ণগী নীবা থুংহন্নীংঙী হাঙ্গবা অচু ফোংদোকই। মতৌ অসুম্না শ্লোক অসিনা মথক্কী পয়ারগী হাঙ্গিবা অচু প্রমাণ ওইরে।

৭৫। শ্লোক ১৩ শুবদা য়াওবিবা পরদেবতা” শব্দগী অথ ফোংদোকচরি।

খ্বাইনা পুজা তৌফম—পূম্নমক্না খুকম্নফম। অমদি শ্রীকৃষ্ণগী চান্নথাইবীনি হাঙ্গচুনা অমসুং শ্রীকৃষ্ণদা খ্বাইদগী হেন্না প্রেম লৈ হাঙ্গচুনা শ্রীরাধাবু ‘পূম্নমক্না পুজা তৌনফম’ হাঙ্গিরবনি; করিগীনো হাঙ্গবদা জীবগী তৌফম থোকপা থবক্তি শ্রীকৃষ্ণ সেবানি, মাচু ফংনীংলবদি শ্রীকৃষ্ণ সেবাগী মকোক ওইরিবা শ্রীরাধিকাগী কৃপা থাদোকপা। মরমদে, ইবেম্মা মহাক্কী সেবা-পূজাদগী মহাক্কী কৃপা ফাওরক্কনি, মরম অচুনা শ্রীরাধাবু পূম্নমক্না পুজা তৌনফম্নি হাঙ্গিবনি। অথোইবা লাইনি—থোইদোক-হেন্দোকপা লাইনি, শাম্নবা শন্দোকপা মহাক অচু লাইনি। শ্রীকৃষ্ণগী শাম্নবা শন্দোকপগী খ্বাইদগী হেন্না তেংবাংলিবীনি হাঙ্গচুনা শ্রীরাধাবু অথোইবা লাইনি হাঙ্গিবনি, মহাক শ্রীকৃষ্ণগী লীলাগী তেংবাংবীনি, ইবেম্মা মহাকপুম্ক কৃষ্ণগুম্না পুজা তৌগদবনি। পূম্নমকপু যোক্লিবীনি—পূম্নমকপু ঙাক্লিবীনি, শ্রীকৃষ্ণনা জগৎ পূম্নমক্কী ঙাকপিবা মপুনি হাঙ্গচুনা শ্রীকৃষ্ণদগী অতোপ্পা নত্তবা শ্রীরাধাসু

গৌর-কৃপা টীকা

(কৃষ্ণময়ীসু) পূম্নমক্কী ঙাকপিরিবী মপুনি, অদুনা ইবেম্মা মহাকপুস্থ পূম্নমক্কা পূজা তৌকম থোকই। শ্রীরাধানা পূম্নমকপু য়োক্লিবীনি' হাঙ্গবসি পদ্মপুরাণ—পাতাল খণ্ডদসু হায়রি। "বহিরঙ্গৈঃ প্রপঞ্চস্য স্বাংশৈর্মায়াদিশক্তিভিঃ॥ অন্তরঙ্গৈস্তথা নিত্যং বিভূতৈস্তৈশ্চিদাদিভিঃ। গোপনাদুচ্যতে গোপী রাধিকা কৃষ্ণবল্লভা॥ ৫০।৫১—২॥"

জগৎকী মমানি—শ্রীকৃষ্ণনা জগৎ পূম্নমক্কী মপানি (সৃষ্টিকর্ত্তানি অমসুং ঙাকপিবা মপুনি) হায়দুনা কৃষ্ণগী মশক ওইবী শ্রীরাধাবু জগৎ পূম্নমক্কী মমানি (মমাগী মতৌগুম্না পূজা তৌনফমগী মশক্তি) হায়বিবনি। মহাকপু মরম খুদিংমক্তা পূজা তৌগদবা ওই হায়দুনা মহাকপু অথোইবা লাইনি হায়বা য়াই। মাসিগী মবমদা নারদ-পঞ্চরাত্রদা হায়রি—"শ্রীকৃষ্ণো জগতাং তাতো জগন্মাতা চ রাধিকা। পিতুঃ শতগুণা মাতা বন্দ্যা পূজ্যা গরীয়সী।। শ্রীকৃষ্ণনা জগৎকী মপানি, শ্রীরাধানা জগৎকী মমানি। মপাদগী মমানা শরুক চামা হেন্না খুকয়ফম 'ই পূজা তৌনফম থোকই অমসুং অথোইবীনি।২৬।৭।।" জগৎ শেম্বা মতমদা শ্রীরাধানা প্রকৃতি মরূনি (অহানবনি), ঈশ্বরীনি অমসুং মহাবিষ্ণুনগী জগৎ শেম্নিবনি, মহাবিষ্ণু মহাক মশামকসু শ্রীরাধাদগী চোংথোকখিবনি। 'সৃষ্টিকালে চ সা দেবী মূলপ্রকৃতিশ্বরী। মাতা ভবেন্মহাবিষ্ণোঃ স এব চ মহান বিরাট।। না. প. রা, ২।৬।২৫।।" মহাবিষ্ণুদগী জগৎ থোকই অমসু' শ্রীরাধাদগী অমুক মহাবিষ্ণু থোকই হায়দুনা শ্রীরাধাবু তত্ত্বনা জগৎকী মমা (মাতা) হায়বা য়াই। লৈশেম্বা মতমদা (সৃষ্টিকালে) শ্রীরাধাবু প্রকৃতি মরূনি হায়রিবগী মরমদি অসিনি, শ্রীরাধাদি স্বরূপ শক্তিগী অধিষ্টাত্রী দেবীনি (ভুংনফম লৈফম্নি) অমসুং লিঃ। শুদ্ধোক্রম্নবা মকু অকংবা অদু লিনগী অংশ শরুক অমনি (মপানগী শরুক্তি) পোকপা-শিবা নাইরিবা জগৎসু (জড়মায়াসু) স্বরূপ শক্তিগী মতৌ অদুগুম্বা (লিন মকুগুম্বা) মপানগী শরুক অমনি বিভূতি অমনি। "স যদজয়াত্বজামনু শয়ীত গুণাংশ্চ জুষন"—নচিংবা শ্রীমদ ভাগবতকী (১০।৮৭।৩৮) শ্লোকী টীকাদা শ্রীলবিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীনা ইরম্মী—"মায়াশক্তিহি তব স্বরূপভূতযোগমায়োখাতদ বিভূতিরেব যদুক্তং নারদ পঞ্চরাত্রে শ্রুতিবিদ্যা সম্বাদে অস্যা আবরিকাশক্তির্মহামায়াহখিলেশ্বরী। যয়া মুগ্ধং জগৎ সর্ব্বং সর্ব্বে দেহাভিমানিনঃ।। ইতি সা অংশভূতা তয়া স্বস্বরূপেন অনভিমন্যমানা স্বতঃ পৃথকৃত্যাক্তা ভবতি সৈব বহিরঙ্গা মায়াশক্তি রিত্যুচ্যতে। তত্র দৃষ্টান্তঃ। অহিরিব ত্বচম। অহির্যথা স্বতঃ পৃথককৃত্যত্যক্তাং ত্বচং কঞ্চুকাখ্যাং স্বস্বরূপেন নৈব অভিমন্যতে তথৈব ত্বং ত্বং জহাসি যত আত্ত ভগঃ নিত্যপ্রাপ্তৈশ্বর্য্যঃ।"

সর্ব্ব লক্ষ্মী-শব্দ পূর্ব্বে করিয়াছি ব্যাখ্যান।
সর্ব্বলক্ষ্মীগণের তেঁহো হয় অধিষ্ঠান॥৭৬
কিম্বা 'সর্ব্ব লক্ষ্মী' কৃষ্ণের ষড়বিধ ঐশ্বর্য্য।
তাঁর অধিষ্ঠাত্রী শক্তি-সর্ব্ব-শক্তিবর্য্য॥৭৭

অথ

সর্ব্বলক্ষ্মী-রাহৈ মথক্তা হাঈখিবত্নি।
লক্ষ্মী পূম্নমক্কী চংজফমদি মাঙোন্দনি ॥৭৬
"সর্ব্বলক্ষ্মী" হ্ন কৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য তরুক্তি।
মাগী শক্তি লৈফম্নি শক্তিশিংগী অথোইবীনি ॥৭৭

গৌর-কৃপা টীকা

৭৬। শ্লোক ১৩ শুবদা যাওবিবা "সর্ব্বলক্ষ্মীময়ী" রাহৈগী ব্যাখ্যা পযাব অনিদা তৌজবি। লক্ষ্মী পূম্নমক্কী মরুদি মহাক্তি, মহাক্তা লক্ষ্মী পূম্নমক্কী মশংক্তি। মাসিনা অহানবা অর্থ ন।

মথক্তা—মথক্কী পযাব ৬৬ শুবদা হাঈখ্রিবা "লক্ষ্মীশিংসি বাধাগী বৈভব বিলাসাংশনি" অসিনচিংবা পযাবদা। মথক্কী পযাবগী মতুংইন্না সর্ব্বলক্ষ্মীগী অর্থ বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মীশিংবু খণ্ডনৈ। মাঙোন্দনি—শ্রীবাধাগী মফমদনি। চংজফমদি—লৈফমদি, অংশিনীদি। বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মীশিংগী চংজফম মকানি অমসুং অংশিনীনি হাঈত্না শ্রীবাধাবু সর্ব্বলক্ষ্মী (বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মীশিং মযী হাঈরিবনি।

৭৭। "সর্ব্বলক্ষ্মীময়ী" শব্দগী অর্থ মওং অমা ওইনা তৌজবি। ঐশ্বর্য্য তরুক্কী লৈফম শক্তি অত্নমক "সর্ব্বলক্ষ্মীময়ী" শব্দগী অনিশুবা অর্থনি।

লক্ষ্মী—সম্পত্তি; ঐশ্বর্য্য। সর্ব্বলক্ষ্মী—মখল-মখা অযাম্বা ঐশ্বর্য্য, মখল তরুক্কী ঐশ্বর্য্য। "সর্ব্বলক্ষ্মী স্বরূপা কৃষ্ণাহ্লাদস্বরূপিণী॥ প.পু.পা, ৫০।৫৩॥" মখল তরুক্কী ঐশ্বর্য্য—মথক্কী অনিশুবা মতাংগী পযাব ১৫ গী টীকাদা যেংবিয়ু। "ঐশ্বর্য্য তরুক প্রভুগী চিচ্ছক্তি বিলাসনি। ২।৬।১৪৭॥" ভগবানগী ঐশ্বর্য্য পূম্নমক মাগী বিভূতিনি অমসুং মাগী মশক মচুংচনবা বিভূতি পূম্নমক মহাক্কী স্বরূপশক্তিনা ফোংদোকপনি। "এবং সাত্ত্বজ-বৈভবস্য ভগবতঃ স্বরূপ ভূতয়ৈব শক্ত্যা প্রকাশমান তাৎপভূতত্বম্। ভগবৎ সন্দর্ভঃ স্বব।৫২॥"

গৌব-কৃপা-টীকা

নাবদ পঞ্চবাত্রদগী খণ্ডবা ওন্মী—"বাধাবামাংশ সম্ভূতা মহালক্ষ্মীঃ প্রকীর্ত্তিতা। ঐশ্বর্য্যাধিষ্ঠাত্রী দেবীশ্বরস্যৈব হি নাবদ ॥ শ্রীমহাদেবনা নাবদদা হাঙ্গৈবম্মী, মহালক্ষ্মী অদু ঈশ্বরগী ঐশ্বর্য্যগী লৈফম দেবীনি, মহাক শ্রীবাধাগী ওইথংবা নাকন্দগী থোকখিবনি, হাঙ্গৈবদি মহাক শ্রীবাধাগী অংশনি। ২।৩।৬০ ।," মবম অদুনা ঐশ্বর্য্য পুন্নমক্কী লৈফম মরু দেবীদি শ্রীরাধানি। "সর্ব্ব-লক্ষ্মী" শব্দগী অর্থ ঐশ্বর্য্য তকক হাঙ্গৈবনি, ঐশ্বর্য্য তকক্কী লৈফম শক্তি অদু সর্ব্বলক্ষ্মীময়ীনি। শ্রীবাধাব্ ঐশ্বর্য্য তকক্কী লৈযম শক্তিনি হাঙ্গৈদুনা মহাক সর্ব্বলক্ষ্মীময়ীনি, মরম অদুনা মহাক্না কুশিশিংগী অথোইবনি—শক্তি পুন্নমক্কী মনুংদা আথাইবীনি। অর্থ মতৌ অসিদা বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মী পূন্নমক, দ্বাবকাগী ইবেম্মশিং অমস্থং ব্রজগী গোপগী কজবীশিংগী মনুংদা শ্রীবাধানা মবম খুদিংদা ঈাহন হেল্লী, মবম অদুনা শ্রীবাধারাণীনা কান্তা পূন্নমক্কী মাকোক্নি, হাঙ্গৈবা প্রমাণ ওইবে। মতৌ অসূন্না সর্ব্বলক্ষ্মী শব্দনা মথক্কী পযাবগী "কান্তা পূন্নমক্কী" হাঙ্গৈবা অদুগীসু প্রমাণ ওইব।

শ্রীনাবদনা শ্রীবাধাদা হাঙ্গৈখি—'তত্ত্ব বিশুদ্ধ সত্ত্বাসু শক্তির্ব্বিদ্যাত্মিকা পরা। পবমানন্দ সান্দোহং দধতী বৈষ্ণবং পবম। কলযাশ্চর্য্যবিভাব ব্রহ্মরুদ্রাদিদুর্গমে। যোগীন্দ্রানাং ধ্য নপথং ন ত্বং স্পৃশসি কর্হিচিৎ ॥ ইচ্ছাশক্তিজ্ঞ।নশক্তিঃ ক্রিযাশক্তিস্তবেশিতুঃ। তবাংশ মাত্রমিত্যেবং মনিষা মে প্রবর্ত্ততে ॥ মাযা বিভূতযাহচিন্ত্যাস্তন্মাযাভকমাযিনঃ। পবেশস্য মহাবিষ্ণোস্তাঃ সর্ব্বাস্তে কলাঃ কলাঃ ॥ বিশুদ্ধ সত্ত্ব পুন্নমক্কী মনুংদা নংনা তত্ত্বনি (হ্লাদিনীসন্ধিনী সম্বিৎকী মশক্না বিশুদ্ধ সত্ত্বগী মরু ওই—হাঙ্গৈবদি স্বৰূপ শক্তিগী তুংনফম লৈফম্নি), নংনা অথোইবা শক্তিনি, পরাবিদ্যাত্মিকানি। নংনা বিষ্ণুগী সম্বন্ধী সু ডাইবা পূন্নমক পাঙ্গৈবি। ব্রহ্মরুদ্রনচিংবা লাইশিংনা খণ্ডবা ওমদ্রিবী হে ইবেম্মা। নংগী নগুণ শক্তিগী শকক খুদিংমক অঙকপা ডাক্তনি। নংনা যোগীন্দ্রশিংগী ধ্যানগী লম্বিদা কৈদৌঙৈদস্ত শোক্লদে। ইচ্ছাশক্তি, জ্ঞানশক্তি, ক্রিযাশক্তি অদুম অসি নংডান্দগী থোকখিবা অংশ ডাক্তনি। নংনা শক্তি পূন্নমক্কী ঈশ্বরীনি (তবেশিতুঃ)। অডাংগী মাযা পাঙ্গৈবিবা (যোগ মায়াগী শক্তিনা মহাক্না যশোদাগী অডাং ওইদুনা অবতীর্ণ ওই, অদুম ওইবা) ভগবান মহাবিষ্ণুগী (স্বযং ভগবানগী) মাযাগী শক্তম পূন্নমক অদু নংডান্দগী থোকখিবা অংশগী মশক্নি। পদ্ম, পু, পা, ৭০।৫৩।৫৬॥" শ্রীবাধানা শক্তি পূন্নমক্কী মাকাক্নি অমস্যুং তুংনফম্নি অংশিনীনি, হাঙ্গৈবদু শ্রীনারদগী ব্রাহৈনা প্রমাণ ওইবে। পযাব ১।৭।৮২ গী টীকা য়েংবিযু। পযার ১।৪।৭৫ গী টীকাদস্ন য়েংবিযু। শ্রীবাধাদি, শ্রীকৃষ্ণগী স্বৰূপ শক্তিগী মূর্ত্তিনি অমস্যুং

সর্ব্ব সৌন্দর্য্য-কান্তি বৈসয়ে যাহাতে।
সর্ব্ব লক্ষ্মীগণের শোভা হয় যাঁহা হৈতে॥ ৭৮

অর্থ :—

মাঙোন্দা ফজবা পূম্নমক তিম্না লৈবনি।
লক্ষ্মী পূম্নমক্কী ফজবা মাঙোন্দগীনি॥ ৭৮

গৌর-কৃপা টীকা

গুণ পূম্নমক্কী অমস্তুং লল পূম্নমক্কী তুংনফম্নি—ব্রা অসি শ্রীজীব গোস্বামীনা হাঙ্গীথ্রবনি। "পরমানন্দরূপে তস্মিন গুণাদিসম্পৎস্বগণানন্তশক্তিবৃত্তিকা স্বরূপশক্তির্দ্বিধা বিরাজতে। তদন্তরেহনভিব্যক্তনিজমূর্ত্তিত্বেন তহির্বপাভিব্যক্তলক্ষ্ম্যাখ্যামূর্ত্তিত্বেন। ইয়ং চ মূর্ত্তিমতী সতী সর্ব্বগুণসম্পদধিষ্ঠাত্রী ভবতি।—অত্তুম ওইবা স্বরূপ শক্তিগী গুন্নচিংবা ললগী মশক ওইবা অনন্ত শক্তি লৈ, শক্তি অদু মুংওাইবগী মশক ওইবা শ্রীভগবান্দা অনি থোক্না ওান্দুনা লৈ, মহাক্কী মস্তুংদা ফোংদোক্তনা মশাগী মূর্ত্তিদা (হাঙ্গীবদি মূর্ত্তি ফোংদোক্তন শক্তিতা ওইনা) অদুগা মপান্দা লক্ষ্মী কৌবী মূর্ত্তি অমা পুথোক্লগা, স্বরূপ শক্তি অদুনা মূর্ত্তি পান্দুনা গুণ পূম্নমক্কী অমস্তুং লল পূম্নমক্কী তুংফম ওইনা লৈ। প্রীতি সন্দর্ভ। ১০৮॥"

৭৮। হৌজিক "ফজবা পূম্নমক কী অর্থ তৌজরি। মখল মথা অবাম্বগী ফজবা মাঙোন্দা লৈবনদি মহাক ফজবা পূম্নমক (সর্ব্ব কান্তি) কৌরে। মাসিনা "ফজবা পূম্নমক" কী অহানবা অর্থনি। লক্ষ্মী পূম্নমক্কী ফজবা অসিনচিংবা—মহাক্কী ফজবা অদুদগী লক্ষ্মী-শিংগী নিংথিজবা ফজবা পোকই। লক্ষ্মী শিংগী ফজব নিংথিজবা অসি মসিং চৎলিবনি, তৌইগুম্বস্তুং মখোযগী ফজবা নিংথিজবা অদুগী মরূদি শ্রীরাধাগী ফজবা নিংথিজবনি, থাঙ্গেশেংবদি করিগুম্বা মফমদা নিংথিজবা ফজবা লৈবম্বা মখৈ, পূম্নমক অমগী মরূদি শ্রীরাধাগী নংথিজবা ফজবনি; মরম অদুনা ফজবা নিংথিজবা পূম্নমক্কী তুংনফম্নি হায়দুনা শ্রীরাধানা ফজবা পূম্নমক ওই। শ্রীরাধানা ফজবা পূম্নমক্কী মরূনি হাঙ্গীদুনা (১।১।১৬) পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু) মহাক্কী ফজবা অদুস্তু লক্ষ্মীনচিংবা অতোপ-অতোপ্পা কৃষ্ণ কান্তাশিংগী ফজবগী মরূনি।

কিম্বা 'কান্তি'-শব্দে কৃষ্ণের সব ইচ্ছা কহে।
কৃষ্ণের সকল বাঞ্ছা রাধাতেই রহে ॥৭৯
রাধিকা করেন কৃষ্ণের বাঞ্ছিত পূরণ।
'সর্ব্বকান্তি'-শব্দের এই অর্থ-বিবরণ ॥ ৮০

অর্থ :—

অমদি 'ফজবা' রাহৈসি অপাম্বা কৌই।
কৃষ্ণগী অপাম্বা পূন্নমক বাধাদা তূংই ॥ ৭৯
শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগী অপাম্বা থুংহল্লী।
'ফজবা পূন্নমক' কী অর্থ অস্নুম্না ওইহল্লী ॥ ৮০

গৌর-কৃপা টীকা

৮০। 'ফজবা পূন্নমক' রাহৈগী মওং অমা ওইনা অর্থ তৌজরি। ফজবা—শব্দ অসি অপাম্বা নত্রগা অনীংববুস্র খণ্ডনৈ। শ্রীকৃষ্ণগী মখল মখা অযাম্বা অপাম্বা, অনীংবা (কান্তি, কামনা, বাসনা) লৈবা মফম অত্থ ফজবা পূন্নমক্না তিল্লি (তূংই)। শ্রীকৃষ্ণগী মখল-মখা অয়াম্বা অপাম্বা পোংকী তূংফম ওই হাঙৈথুনা শ্রীরাধাবু ফজবা পূন্নমক (সর্ব্ব কান্তি) হাঙৈরিবনি—মাসিনা অনিশুবা অর্থনি। অপাম্বা পূন্নমক—অনীংবা (ইচ্ছা, বাঞ্ছা, কামনা) পূন্নমক। শ্রীকৃষ্ণগী মখল-মখা অযাম্বা অপাম্বা শ্রীরাধাদা লৈ, কবম্না লৈ হাঙৈবত্থ মথাগী পযারদা হাঙৈজবি।

৮০। শ্রীরাধিকাতনা শ্রীকৃষ্ণগী মখল-মখা অয়াম্বা নীংবা থুংহল্লী, মবম অত্থনা মখল-মখা অয়াম্বা নীংবা থুংহন্নবগী মণ্ডিক চাবা শক্তি অত্থ শ্রীরাধাদা লৈ, মহাক্না শক্তিশিংগী (শক্তি পূন্নমক্কী) অথোইবীনি হাঙৈথুনা মতিক চাবা অসিগী আধিকারিণী ওই। শ্রীরাধা নত্তনা শ্রীকৃষ্ণগী করিগুম্বা অনীংবা অমতা থুংহনবা ঙমদে হাঙৈথুনা শ্রীরাধানা মহাক্কী মন্না ওইবা অপাম্বা পোং ওই; মরম অসিনা অসিমস্থ হাঙৈবা য়াই, শ্রীকৃষ্ণগী মখল-মখা অয়াম্বা অপাম্বা শ্রীরাধাদা লৈ।

মখল মখা অয়াম্বা অপাম্বা পোংপু লল (সম্বল) হাঙৈবা য়াই; শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগী মখল-মখা অয়াম্বা মন্না ওইবা অপাম্বা পোং ওই হাঙৈথুনা মহাকপু শ্রীকৃষ্ণগী থরাইগী লল (সর্ব্বস্ব) কৌই। মতৌ অস্নুম্না 'ফজবা পূন্নমক' না মথক্কী-পয়ার ৭০ দা য়াওখিবা "গোবিন্দগী লল" শব্দগী প্রমাণ ওইবে।

জগত-মোহন কৃষ্ণ, তাঁহার মোহিনী ।
অতএব সমস্তের পরা ঠাকুরাণী ॥

অর্থ :—

জগৎ শুমহৎপা কৃষ্ণবু শুমহৎলি রাধানা ।
অদুনা জগৎকী অথোইবীনি ইবেম্মনা ॥ ৮১

গৌর-কৃপা টীকা

৮১ । হৌজিক শ্লোক ১৩ শুবনা যাওবিবা "সম্মোহিনী" গা "পরা" গা অসি অসিগী মতুংগী অর্থ কোংদোকচবি । পুম্নমকপু মপুংফানা শুমহৎপা ওম্বা মুপী অদুবু "সম্মোহিনী" কৌই । শ্রীকৃষ্ণগী গুণ অমসুং ফজবা শক্লা মাধুর্য্যনা জগৎ অপুম্ববু শুমহৎলি ; মরম অদুনা মাবু সর্ব্বমোহন কৌই । মতৌ অসিগুম্বা শ্রীকৃষ্ণবু অমুক শ্রীরাধানা শুমহৎপা ওম্বী । অদুনা শ্রীরাধাবু সম্মোহিনী হাঈরিবনি । খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকপা শ্রীকৃষ্ণ ইবুংঙোবুসু শুমহৎলি হাঈদুনা শ্রীরাধাবু অথোইবী ইবেম্মা হাঈরিবনি ।

জগৎ শুমহৎপা—জগৎ পুম্নমকপু (জগৎত লেবিবা মী পুম্নমকপু) শুমহৎপা ওম্বী মহাক্না । অথোইবী—অহেনবী । "সম্মোহিনী" শব্দ অসি মথক্কী পযার ৭০ শুবদা যাওরিবা "গোবিন্দ-মোহিনী" শব্দগী প্রমাণনি ।

পযার অসি ফাওবদা শ্লোক ১৩ শুবগী "দেবী কৃষ্ণময়ী" অসিনচিংবা শ্লোক্কী অর্থ লোইজরে । পয়ার ৫১—৮১ দা "রাধাকৃষ্ণ প্রণযবিকৃতিঃ" নচিংবা শ্লোক্কী অহানবা চরণগী হাঈবদি "রাধাকৃষ্ণ-প্রণয-বিকৃতির্হ্লাদিনী শক্তিঃ" শব্দক খবা অসিগী অর্থ তৌজবে । শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপশক্তি হ্লাদিনীগী মচি—থমথেংবগী মমিং মহাভাব কৌই ; মহাভাব অসি শ্রীরাধাগী স্বরূপ-লক্ষণনি , মরম অসিনা শ্রীরাধাসু হ্লাদিনী শক্তিনি হাঈবসি পযার ৫২—৬১ দা উহনজখরে । মহাক্না নুংঙাইহল্লী, নুংঙাইববু দান তৌই, মহাক অদুবু আহ্লাদিনী নত্রগা হ্লাদিনী হাঈবা য়াই , শ্রীকৃষ্ণগী অতোপ-অতোপ্পা সাইওন মশক্কী লীলাদা, মখোইদুগী মতিক-চাবী চান্নবী ওইনা সাইওন্দুনা মথল-মথা অযাম্বা অঙকপা বসনা হবাওহন্দুনা শ্রীকৃষ্ণগী মথল-মথা অযাম্বা নীংবা থুংনবা হোৎনদুনা শ্রীকৃষ্ণনা থোই-দোক-হেন্দোক্না নুংঙাইবা দান তৌই অমসু হ্লাদিনী ওইবগী মশক অদু টংলি পযার

রাধা পূর্ণ-শক্তি, কৃষ্ণ পূর্ণ শক্তিমান্।
দুই বস্তু ভেদ নাহি শাস্ত্র পরমাণ্॥ ৮২

অর্থ

রাধা পূর্ণ—শক্তি, কৃষ্ণ পূর্ণ-শক্তিমান।
পোৎ অনিসি খেন্নদে ওইরি শাস্ত্রগী প্রমাণ॥ ৮২

গৌর-কৃপা টীকা

৬২—৮১ দা। মতৌ অসুম তৌহুনা "রাধাকৃষ্ণপ্রণয়বিকৃতিঃ" শ্লোককী অহানবা চরণগী ব্যাখ্যা লোঙইরহুনা "অস্মাৎ একাত্মানবপি" নচিংবা শরুক্কী অর্থ মতুংগী পয়ারদা তৌবা হৌজরি।

৮২। শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা কনি মরী লৈনবগে হাঙইবহ্ন পয়ার অসিদা হাঙইজরি। শ্রীরাধা অসি শ্রীকৃষ্ণগী (হ্লাদিনী)-শক্তিনি হাঙৈনা মথক্কী পয়ার পূম্নমক্তা হাঙইখরে; অদুগা শ্রীকৃষ্ণনা শক্তি অদুগী মপু-শক্তিমান-নি; মরম অদুনা শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরিদি শক্তি অমসুং শক্তিমান (শক্তিমপু) গা নরুনা লৈনরিবা মরী অসিনি। শক্তি অমসুং শক্তিমান খেন্নদবা মরম্না শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগসু খেন্নদে।

শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি শ্রীরাধানা ওইবা অচুম্বনি; তৌইগুম্বসুং শক্তি অদুগী চাং (পরিমাণ) কয়া রাম্বনে? মাদুসু মফম অসিদা হাঙইজরি। শ্রীরাধানা মপুং ফাবা শক্তিনি (পূর্ণ-শক্তিনি), শক্তিগী শরুক মচেৎ নত্তে; অদুগা শ্রীকৃষ্ণনা মপুংফাবা শক্তি মপুনি (পূর্ণ-শক্তি-মান-নি)। পয়ার ৬৫ শুবদা হাঙইজখরে, ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা স্বরূপ অমা পুখোক্তুনা (সাইওন অমা তৌহুনা) লীলা শাম্নবা ধাম (মফম) অদুদা মহাক্কী হ্লাদিনী শক্তিসু মতৌ অদুগুম্না মশক অমা (সাইওন অমা) পুখোক্তুনা মহাক্কী লীলাগী তেংবাংবী ওই। ব্রজদা স্বয়ং ভগবাণ শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা মপুংফাবা শকফম্না (পূর্ণতম স্বরূপে) লীলা শাম্নে; মরম অদুনা মহাক্কী চান্নবী শ্রীরাধাসু মপুংফাবী শকফম ওইনা—পূর্ণতমা শক্তিগী পূর্ণ-তমা লৈফম তুংফম ওইনা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাগী তেংবাংবী।

"স্মরতি চ"—বেদান্তসূত্রগী (২।৩।৪৫) গোবিন্দ ভাষ্যদা অমসুং সিদ্ধান্তরত্ন-লাইরিক্কী ২।২২ পদেংদা অথর্ববেদাসুগী মনুংচনবা পুরুষবোধিনী কৌবা শ্রুতিদা উৎতুনা শ্রীপাদ

গৌর কৃপা-টীকা

বলদেব বিদ্যাভূষণনা ইবম্মী—"রাধায়াঃ পূর্ণাঃ শক্তয়"—শ্রীরাধিকানচিংবী পূর্ণ শক্তি। টিকাদা মানা ইরম্মী—"রাধাদ্যা ইতি আদ্যশব্দেন চন্দ্রাবলী গ্রাহ্যা।" আদি শব্দনা চন্দ্রাবলীবু খণ্ডনৈ। উজ্জ্বল নীলমণিদা হাঙ্গৈরি, শ্রীরাধাগা শ্রীচন্দ্রাবলীগা অনিগী মরক্তা শ্রীরাধানা হিরম পূম্নমক্তা অথোইবীনি। "তয়োরপ্যুভয়োর্মধ্যে রাধিকা সর্ব্বথাধিকা।" মরম অসিনা শ্রীরাধানা মপূংফাবা শক্তি। "রাধয়া মাধবো দেবো মাধবেনৈব রাধিকা। বিভ্রাজন্তে জনেষু॥" অসিনচিংবা ঋকপবিশিষ্ট রাহৈদগীম্ম শ্রীরাধানা খ্বাইদগী অথোইবীনি হাঙ্গৈবা খণ্ডবা ঙম্মী। হাঙ্গৈখ্রিবা পুরুষবোধিনী-শ্রুতিদা অমুক্সু হাঙ্গৈবি-"যস্যা অংশে লক্ষ্মীদুর্গাদিকা শক্তিঃ"—বৈকুণ্ঠেশ্বরী লক্ষ্মী অমসুং মন্ত্ররাজাধিষ্ঠাত্রী দেবীদুর্গা অসিনচিংবা শক্তিসি শ্রীরাধাগী অংশনি হাঙ্গৈবদি শ্রীরাধানা সাইওন্দুনা ওইখিবা অংশনি, মরম অসিনা শক্তি পূম্নমক্কী অংশিনী (হোৎকম মক্ক) নি হাঙ্গৈদুনা পূর্ণ শক্তি (শক্তি মপূং ফাবী) ওই ।১।৪।৬৫,৭৭ পযারগী টীকাদা যেংবিয়ু।

মথক্তা হাঙ্গৈজখরে (পযার ৫৫গী টীকাদা যেংবিয়ু) শক্তিনা মওং অনি থোক্লা লৈ, শক্তিদা ওইনা মশক লোত্তুনা (অমূর্ত্ত), অদুগা শক্তিগী লৈফম ওইনা মশক ফোংদোক্তুনা (মূর্ত্ত) (ভগবৎ সন্দর্ভ ১১।৮॥) শ্রীরাধাদি হ্লাদিনী-শক্তিগী মূর্ত্ত বিগ্রহনি (মশক্নি)—পূর্ণতমা হ্লাদিনী {(অমূর্ত্তা) মশক লোৎপা} শক্তিগী পূর্ণতমা অধিষ্ঠাত্রী (লৈফম্নি) নি। শ্রীকৃষ্ণ মশামক নুংঙাইবগী মশক ওইববসু মহাক্না নুংঙাইবা মহাও লৌননবগীদমক কোইথি-থিবি, হ্লাদিনী, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎ মখল অহুমগী চিচ্ছক্তিনা মহাক্কী নুংঙাইবা ফংননবগী মরম ওই, তৌইশুম্বস্নু হ্লাদিনীনা নুংঙাইবা ফংননবগী মরূ ওইবা মরম ওই, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎনা মহাক্কী তুংইনবনি, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎনা মহাক্কী তুংইনবনি, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎনা শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইহম্নবগীদমক হোৎনৈ, তৌইশুম্বস্নুং হ্লাদিনীগী তুং-ইনবা নক্সবদি মথোযনা শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইহনবা ঙমদে, মথোযনা হ্লাদিনীবু ঙাইদুনা লৈ, মরম অসিনা মখল অহুমগী চিচ্ছক্তিগী মনুংদা হ্লাদিনী-না শক্তি পূম্নমক্তগী ইহৈলহৈ হাঙ্গৈব য়াই; মরম অদুনা হ্লাদিনীগী লৈফম দেবী শ্রীরাধাবু শক্তি পূম্নমক্কী খ্বাইদগী অথোইবা লৈফম্নি হাঙ্গৈবা যাই অমসুং লৈফম্নি হাঙ্গৈদুনা মহাক পূর্ণ শক্তিনি।

পূর্ণ-শক্তিমান—মপুংফাবা শক্তিগী মপু (অধিকারী), মখল-মখা অয়াম্বা শক্তিগী মপুংফাবা মপুনি হাঙ্গৈদুনা শ্রীকৃষ্ণনা পূর্ণ শক্তিমান ওই। শ্রীকৃষ্ণদা মখল-মখা অযাম্বা শক্তিনা মপুংফানা ফোংদোকই হাঙ্গৈদুনা মাবু পূর্ণ-শক্তিমান হাঙ্গৈবিবনি। অদুগা শ্রীরাধানা

মৃগমদ, তার গন্ধ—যৈছে অবিচ্ছেদ।
অগ্নি-জ্বালাতে যৈছে নাহি কভু ভেদ—॥ ৮৩

অর্থ :—

কস্তুরীগা মাগী মনম্গা খেন্নবা লৈতে।
মৈগা মাগী শক্তি মৈশাগা খেন্নবা লৈতে॥ ৮৩

গৌর-কৃপা-টীকা

পূর্ণ শক্তিনি হায়ঙৈহুনা অমসুং পূর্ণশক্তি শ্রীরাধাদি—শ্রীকৃষ্ণগীনি হায়ঙৈহুনা শ্রীকৃষ্ণনা পূর্ণ শক্তিমান ওইবনি; শক্তি পুম্নমক্তা তিন্নবা শ্রীরাধাগী থরাইগী মপুন্নি হায়ঙৈহুনা শ্রীকৃষ্ণনা পূর্ণশক্তিমান ওই। শক্তিগী গুণা (পাঙ্গল্লা) মশক ফোংদোকই; অমতা ওাইবা শ্রীকৃষ্ণনা মথুরাদা লৈবা মতমদা পূর্ণতর কৌই, দ্বারকাদা লৈবা মতমদা মহাকপু পূর্ণ কৌই, অদুগা ব্রজদা লৈবা মতমদা পূর্ণতম কৌই। ব্রজে কৃষ্ণ সর্ব্বৈশর্য্য-প্রকাশে পূর্ণতম। পুরীদ্বয়ে পরব্যোমে—পূর্ণতর পূর্ণ। ২।২০।৩৩২॥"

পোং অনিসি শক্তি অমসুং শক্তিমান। খেন্নদে—শক্তিগা শক্তিমানগা খেন্নদে। শক্তি অমসুং শক্তিমানগা করম্না খেন্নদবগে হায়ঙৈবহু মতুংগী পযাবদা থুদম পীহুনা উহনজরি। শাস্ত্রগী প্রমাণ—শক্তি অমসুং শক্তিমান খেন্নদে হায়ঙৈবসি শাস্ত্রনা য়ারবনি' শাস্ত্রদা মাহুগী প্রমাণ লৈ। কনা-কনাগুম্বনা শক্তিগা শক্তিমানগা খেন্নে হায়ঙৈনা লৌই, অদুগা কনা কনাগুম্বনা খেন্নদে হায়ঙৈনা লৌই। "শক্তি-শক্তিমতোভেদ পশ্যন্তি পরমার্থতঃ অভেদঞ্চানুপশ্যন্তি যোগিনস্তত্ত্বচিন্তকাঃ॥—তত্ত্বগী মরমনা রাখন খনবা যোগিশিংগী মনুংদা কনা কনাগুম্বনা শক্তিগা শক্তিমানগা খেন্ননা উই, কনা কনাগুম্বনা খেন্নদনা উই। সাংখ্যসূত্র ২।৫ সূত্র ভাষ্যে বিজ্ঞানভিক্ষুধৃতবচন॥" মরম অসিনা শক্তি অমসুং শক্তিমান খেন্নে হায়ঙৈরবসু শাস্ত্রগী প্রমাণ লৈ, খেন্নদে হায়ঙৈববসু শাস্ত্রগী প্রমাণ লৈ। বৈষ্ণবাচার্য্যশিংনা খেন্নবগা খেন্নদবগা অনিমক য়ারহুনা অচিন্ত্য অপুনবা অমা ওইনা থনম্লে। (মতুংগী পযারগী টীকাদা য়েংবিযু)। শক্তিগা শক্তিমানগা করম্না শরুক্তা খেন্নদবগে হায়ঙৈবহু খেন্নদবা মফম যেংহুনা গ্রন্থকারনা পযাব অসিদা খেন্নদবগী রা হায়ঙৈরি।

৮৩। শক্তি অমসুং শক্তিমানগা অনি অসি খেন্নদে হায়ঙৈবা অদুগী থুদম পীজরি।

কস্তুরী—মৃগমদ, শক্তি মখোয়দা শৌবা মনম্ য়াম্না মুংশিবা পোং জাং অমা। মাগী মনম্—কস্তুরীগী মনম্। খেন্নবা লৈতে—তোপ্পানবা লৈতে। কস্তুরীদগী মনম্ অহুনা

গৌর-কৃপা-টীকা

তোঙান্না লৈতে ; তোঙানহন্‌বা য়াদে। মৈ মহুংদা পোং অমা থিংজিন্নবদি শোয়দনা চাকথেক্‌ই, চাকথেক্লিবা শক্তিগা মৈগা মশা অমতনি মশক অমতনি তোঙান তোঙান্‌বা নত্তে। অহুগুমহনা শক্তিমান শ্রীকৃষ্ণগা শক্তি শ্রীরাধাগস্‌ কবিস্থু থেন্নবা লৈতে। রা অসি পয়ার ৮৩। ৮৩গী রা মচংনি।

মৈগী শক্তিনা মৈশানি। কস্তুরীগী শক্তিনা মাগী মনম্নি ; মৈদগী মৈশানা তোঙান্না লৈতবা অমস্তুং কস্তুরীদগী মাগী মনম্না তোঙান্না লৈতে, হায়বদি পূম্না লৈ, মশা অমতনি, থেন্নবা লৈতে হায়বা শঙহন্দুনা পযাব অসিদা শক্তি অমস্তুং শক্তিমান থেন্নবা হায়বা রাতমক্‌ ফোংদোক্লি।

শক্তি অমস্তুং শক্তিমানগী মরমদা নৈনবা থন্নবা মথক্তা হায়খরে, "রাধা-কৃষ্ণ হকচাং অনি আত্মা অমতনি। অনিহু বস চুপ্লহনা শান্নমিন্নবনি ॥ ১।৪।৪১" অহুগা মফম অসিদা অমুক হায়বি "রাধা-কৃষ্ণ মতম খুদিং স্বরূপ ঃমতনি। লীলারস চুপ্লবগী মশক অনি থোক্‌পনি ॥ ১।৪।৮৫ ॥" মতৌকরম্না অমস্তুং কবিগীদমক "আত্মা · মত্তা" হায়বদি "মশক অমত্তা" ওঃবিবা, মাহু ফোংদোক্লবগীদমক হায়জবি—"রাধা পূর্ণ—শক্তি, কৃষ্ণ পূর্ণ-শক্তিমান। পোং অনিসি থেন্নদে, ওইরি শাস্ত্রগী প্রমাণ ॥ ১।৪।৮১ ॥" শক্তি অমস্তুং শক্তিমান্‌ থেন্নদবা মরম্না শ্রীরাধানা শক্তিনি অহুগা শ্রীকৃষ্ণনা শক্তিমান্নি হায়হুনা মখোঙ্গী অসিগী মবক্তা থেন্নবা লৈতে। খুদম পীহুনা শঙহনজরে। "কস্তুরীগা মাগী মনম্‌গা থেন্নবা লৈতে। মৈগা মাগী শক্তি মৈশাগা থেন্নবা লৈতে ॥ (অহুগুম্না) রাধা-কৃষ্ণ মতম খুদিং স্বরূপ অমনি। ১।৪।৮৩—৮৪ ॥" মৈগী শক্তিনা মৈশানি ; মৈদগী মৈশা অহু খাইদোকপা যাদে। মতৌ অস্থুম তৌহুনা শক্তিগা শক্তিমানগা থেন্নদে (তোঙান্দে) হায়বা উহনজবে। সমদ্রগা সমুদ্রগী ঈথক্কা অসি অসি তোঙানহন্‌বা য়াদে ; অহুনা মখোঙ্গী অনি তোঙান্‌বা থেন্নবা লৈতে। অহুগুমহনা শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা থেন্নবা লৈতে ; শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনি। শক্তিনা শক্তিমান্দা চংহুনা লৈ অমস্তুং পূর্ণ শক্তিমান, শ্রীকৃষ্ণনা পূর্ণ শক্তি শ্রীরাধাদা চংহুনা লৈ। শক্তিনা তত্ত্ব অমনি, শক্তিমানসু তত্ত্ব অমনি। তত্ত্ব পূম্নমক অমগা অমগা চংনহুনা লৈ। শ্রীমদভাগবতকী "পরস্পরানুপ্রবেশাৎ তত্ত্বানাং পুরুষর্ষভ ॥" অসিনচিংবা ১১।২২।২৭ শ্লোকসু যারে অমসুং মতৌ অস্থুম তৌহুনা চংথোক-চংসিন্‌ তৌবা মওং অসি শক্তিগা শক্তিমানগসু য়াই, শ্রীমদভাগবতকী উংগ্রিবা প্রমাণগী মতুং-ইন্না বৈষ্ণবাচার্য্য প্রবর শ্রীজীবগোস্বামীনস্থ মাগী পরমাত্ম সন্দর্ভদা উহল্লি।

গৌর-কৃপা-টীকা

"প্রথমং তাবৎ সর্ব্বেষামেব তত্ত্বানাং পরস্পরানুপ্রবেশবিবক্ষয়ৈক্যং প্রতীয়ত ইত্যেবং শক্তিগতি পরমাত্মনি জীবাখ্যশক্ত্যনুপ্রবেশবিবক্ষয়ৈব তয়োরৈক্যপক্ষে হেতুরিত্যভিপ্রৈতি।" মতৌ অসুম তৌদুনা শক্তিগা শক্তিমানগা অসিগী মরক্তা অমগা অমগা চংসিন্নদুনা লৈনবনা শ্রীরাধা অমসুং শ্রীকৃষ্ণ অনি থোক্না ফোংদোক্লবসু মশক অমতনি হাঙৈবদা অকাঙৈবা লৈতে (অরানবা লৈতে। মাতুদা কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙৈখিবনি—রাধা-কৃষ্ণ "আত্মা অমতনি" "মতম—থুদিং স্বরূপ অমত্তনি।"

শক্তিগা শক্তিমানগা খেন্নদবগী মিংয়েংদা লৌরগা খেন্নদে। অমুক চাননবা রস (থোই-হি) অমসুং রসপু চারিবা রস (রসিক অমদি থোইমু) অসুম্না লৌরগা মথোঙ্গ অনি শুই—খেন্নে। মথোঙ্গী মনুংদা খেন্নবা লৈত্রগসু খেন্নে হাঙৈনা লৌবা য়াই অদুগা খেন্নে হাঙৈরগসু খেন্নদে হাঙৈনা লৌবা য়াই। খেন্নবা অমসুং খেন্নদবগী ফিবম অসি পূন্না মতম অমতদা ভান্দুনা লৈরবনি; পোৎ অনিগী মরক্তা অমুক খেন্নে অদুগা অদুক খেন্নদে হাঙৈবসি ঐখোঙ্গী রাখন্না লাম্বা ফংদে; করিগুম্বা যুক্তি অমনা ঐখোয়না প্রমাণ পীবা ঙমদে। কস্তুর গা মৈগদা প্রমাণ পীদুনা মথক্তা হাঙৈখ্রিবা অসি মঙাইরে।

রাহং ত্মা লাকপা য়াই, শক্তিগীদি করিগুম্বা রূপ (মশক) লৈতে; শ্রীরাধাগীদি রূপ লৈ; অদুনা শ্রীরাধানা করম্না পূর্ণ শক্তি ওইরবগে? রাহং অসিগী পাউখুম ওইনা বৈষ্ণবাচার্য্যশিংনা হাঙৈ—শক্তিনা মওং অনিথোক্না লৈ—মশক উহন্দনা (অমূর্ত্ত) অমসুং অমসুং মশক নাইনা (মূর্ত্ত)। শক্তিনা মশক নাইদনা (উহন্দনা) লৈবা অসি মহৌশানি, মশক উহন্দনা লৈবা কান্দা শক্তিমান্দা চঙদুনা লৈ। অদুগা মশক উত্তুনা শক্তিনা লৈবা কান্দা অধিষ্ঠাত্রী দেবতা ওইনা ফোংদোক্নে। মশক নাইদুনা অধিষ্ঠাত্রী ওইনা ফোংদোকপদসু মশক নাইদবা শক্তিসু য়াওনা লৈ। শ্রীরাধানা পূর্ণ শক্তিগী অধিষ্ঠাত্রীনি, ব্রহ্মাগী শক্তি পূর্ণমক্কী মক্কনি।

শ্রীরাধা অমসুং শ্রীকৃষ্ণ অনিগী মনুংদা অমনা রস চারিবা মী ওইবা অমসুং অমনা রস-ত্মক ওইবা নত্তে। অনিমক্না অনিগী চাননবা পোৎ রস ওই অমসুং অনিমক্না অনিগী রস চারিবা মী ওই। অদুনা শ্রীল রায়রামানন্দগী ইশৈদ শ্রীরাধানা হাঙৈবদা উম্না ফংঙী—"ন সো রমণ, ন হাম রমনী।" মতাং অসিগী অর্থদি অসিনি, শ্রীরাধানা হাঙী—কৃষ্ণনা ঐগী রমণ (আস্বাদক, রস চারিবা মপু) নি, ঐসু মাগী রমণী (আস্বাদ্য —

রাধা, কৃষ্ণ ঐছে সদা একই স্বরূপ।
লীলা-রস আস্বাদিতে ধরে দুই রূপ-। ৮৪

অর্থ:—

রাধা কৃষ্ণ মতম খুদি স্বরূপ অমংনি।
লীলা-রস চুপবগী মখক্ষ অনিথোকপনি ॥ ৮৫

গৌর-কৃপা টীকা

চাননবা রস) নি, তৌইগুম্বন্নুং মহাক্কু রমণ (আস্বাদক—রস চাবিব মপু) ওমক ওইবা নত্তে অমসুং নৈনা রমণী। (আস্বাদ্য—চাননবা রস) ওমক ওইবা নত্তে, ঐস্নু রমণ (আস্বাদক—রস চাবিবা মপু) নি অমসুং মহাকপু রমণী (আস্বাদ্য—চাননবা রস) নি। মাসিনা শ্রীশ্রীরাধা কৃষ্ণগী তত্ত্বরহস্যনি। শ্রীরাধিকানা আস্বাদক—রস চাবিবা মপু ওইবগী প্রমাণ কযামক শ্রীকৃষ্ণগী শাহেদগী ফংলী। রংকী মশক ওইবা ব্রহ্ম অমতনা অনি ওইদুনা অনাদি কালদগী লৈশেমদ্রিঙৈদগী ডান্দুনা লৈবরনি, অদুগা অমুক মথোয অনিন অমতনি।

অনি ওইদুনা লৈবা অসিনা মশিং ইহেন-হেনগংতনা লেংদনা লেবা নত্ত, অমনা মশিং যাম্না পাথোবি। শ্রীরাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা মযামগী মরনি। শ্রীরাধানা শক্তিগী মরূনি অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা স্বরূপকী মরূনি, শক্তিমানগী মরূনি। কল্প বৃক্ষ (লেংদবা উপাল) অম হাঙৈবগা উগী মরূ মর, মউ, মশামরেং, মনা, মপান পুম্নমক যাওবে হাঙৈনা খঙনৈ। অদুগুমদুন শ্রীকৃষ্ণ—শব্দদসু মশিং নাইদনা (অনন্ত) ভগবংকী স্বরূপ-খঙনৈ অমসুং শ্রীরাধা—শব্দদসু মশিং নাইদবা কান্তাস্বরূপ, (চান্নবীগী মশকপু) খঙনৈ। শ্রীরাধা অমসুং শ্রীকৃষ্ণদা অন্তকপা রস পুম্নমক্ক পুন্দুনা লৈরে, চাননব রসসু মথোয অনিনা ওইরে অমসুং রস চাবিবা মপুসু মথোয অনিনা ওইরে।

।৭। স্বরূপ অমংনি—শকথন খেন্নদে, তোপাদে। রস্তুর অমসুং মাগী মনম '? অনি অসি শক অমতনি, মৈ।। নৈশ গা মি অনি অসি মশক অমতানি খেন্নদ, অদু মতমা ঈকৃষ্ণ অমসুং শ্রীরাধ মশক অনি খেন্নদে, শক্তিগা শা মমা খেন্নদনং মুং শক্তি শ্রীরাধা শক্তিমান শ্রীকৃষ্ণগা মশক কুপ্তস্নু খেন্নদে।১।৭।৫ অমসুং ১।৫৮৩গী টীকাদা যেন্নিযু।

গৌর-কৃপা-টীকা

শক্তিগা শক্তিমানগা খেন্নদে হাঙৈনা উহনজবা, অসি শাণ্বদা অহানবা মতাংগী শ্লোক ৫ মগী শুবদা য়াওরিবা "অস্মাৎ একাত্মানৌ" শব্দকী অর্থ তৌজরে—"বাধা পূর্ণ শক্তি" দগী হৌদুনা—"স্বরূপ অমতনি" হাওবা পয়াব অনি মখাই অসিদা।

লীলা রস—রসনচিংবা লীলা রস। মশক অনিথোকপনি—শ্রীবাধা অমসুং শ্রীকৃষ্ণ মূর্ত্তি বিগ্রহ তোঙানবা অনি থোকপনি, শক্তিমান্না স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণ ওইনা অমসুং শক্তিনা স্বয়ং শ্রীরাধা ওইনা ফোংদোক্নে। মরম অসিনা শ্রীবাধানা পূর্ণতম-শক্তি-বিগ্রহ অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা পূর্ণতম-শক্তিমান-বিগ্রহ ওইবে। শ্রীবাধাগা শ্রীকৃষ্ণগা মশক খেন্নরবসু রাখন্না লাম্বা ফংদবা শক্তি লৈবনিনা অনাদি কালদগী (জগৎ শেমগ্রিবৈদগী) তোঙান-তোঙানবা বিগ্রহ মূর্ত্তি ওইদুনা ডান্দ্রনা লৈ। রা অসি পয়াব ত খাই অসিদা হাঙৈরি। লীলগী অর্থদি শান্নবা হাঙৈবনি; মী অমতনা শান্নবা য়াদে হ'ঙৈদুনা অনাদি কালদগী লীলা পুরুষোত্তমা—শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীবাধা ওইনা অ স্মা পুথোকই।

নারদ পঞ্চরাত্রদগী খণ্ডবা ওয়্হী, লীলা বস চুপকে হাঙৈবগীদমক অনাদি কালদগী শ্রীবাধা কৃষ্ণ হকচাং অনি ওইদুনা ডান্নী। "দ্বিভুজ সোহপি গোলোকে বভ্রাম রাস-মণ্ডলে। গোপবেশশ্চ তরুণো জলদশ্যামসুন্দর। ।২।৩।২১॥ এক ঈশঃ প্রথমতো দ্বিধারূপো বভূব স। একা স্ত্রী বিষ্ণুমায়া যা পুমানেকঃ স্বয় বিভুঃ॥ স চ স্বেচ্ছাময়ঃ শ্যামঃ সগুণো নির্গুণঃ স্বয়ম। তাং দৃষ্ট্বা সুন্দরীং লোল বতি কর্তুং সমুদ্যতঃ॥ ২।৩।২৪—২৫॥—তনৌ-তনৌবিবা গোপগী-(যৎ-শেনবগী) ফিজং শেংপা তনৌবা নোংগী কুচু মানবা পাথোম অনি পানবা শ্যামসুন্দর পবমাত্মানা গোলোকী বাস মণ্ডলদা কোঙৈনা শান্নে। অমতা ওইবা ঈশ্বব অদুনা জগৎ শেমগ্রিবৈদগী অনাদি কালদগী অনিথোক্না খাইদোক্নে—মহাক্কী-শকক অমনা নুপীনী মশক ওইবে, মাদুবু বিষ্ণু মায়া (বিষ্ণু শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ শক্তি) কৌই অমসুং অতোপ্পা শকক অমনা মহাক মশানা নীপাগী মশক ওইদুনা লৈয়ে। মহাক মনীংতম্বনি শ্যামকান্তি (সোনাবেন, মচু আকাশ মচু), মগুণ অপ্রাকৃত গুণ চেনবা) অমসুং নির্গুণ {প্রাকৃত (অচম্বা) গুণ যাওদবা} নি, মহাক্না অদুম ওইবী ফজববী নুপী অদুবু উরগা মাগা লোঙৈননা লীলা শাংগে হাঙৈনা থৌবাং তৌই। থরাইগা হকচাংগা নুংশিনবদি মহৌশানি। শ্রীবাধা কৃষ্ণ মশক অমতনি হাঙৈবসি নারদ পঞ্চরাত্রদা য়াওবা প্রমাণগী খণ্ডখরে। অমুকুসু মগী মতুংইনবা রা অমা লৈবে। "যথা ব্রহ্মস্বরূপশ্চ শ্রীকৃষ্ণঃ প্রকৃতেঃ পরঃ। তথা ব্রহ্ম-স্বরূপা চ নির্লিপ্তা প্রকৃতেঃ পরা॥ শ্রীকৃষ্ণ ব্রহ্ম স্বরূপনি অমসুং প্রকৃতিগী (মায়াগী) রাংমনি, মতৌ অদুগুমদুনা শ্রীরাধাসু ব্রহ্মগী মশাক্নি অমসুং প্রকৃতিগী রাংমনি। না, প, রা, ২।৩।৫১।"

প্রেমভক্তি শিখাইতে আপনে অবতরি।
রাধা ভাব—কান্তি দুই অঙ্গীকার করি।। ৮৫
শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যরূপে কৈল অবতার।
এইত পঞ্চম-শ্লোকের অর্থ—পরচার।। ৮৬

অর্থ :—

প্রেমভক্তি তম্বিনবগী অবতাব তৌহুনা।
শ্রীবাধাগী ভাবকা কুচুগা অনি লৌহুনা।। ৮৫
শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য ওইনা অবতাব তৌবরে।
মঙাশুবা শ্লোক্কী অর্থ অস্মুম্না তৌজরে।। ৮৬

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীবাধা অমস্রং শ্রীকৃষ্ণনা লালা শান্নে হঈরবা অসি, মখোয় অনিদা শান্নবা নত্তে, লেঈনবা কযামুক্কা তিন্নবা শান্নবিবা লীলানি, লুচিংবা মকোক শ্রীরাধানা ওই হাঈবতনি। লীলাগী রস ফজনবগীদমক চঙ্গদবা মী মযাম, শক্তি খেন্নবগী মতু ইন্না সাইওন্দনা শক্তি পূম্নমক্কী মপু ওইবিবা বসিক-শেখর শ্রীকৃষ্ণনু অনাদি কালদগী অঙকপগী মশক ওইবা লীলাগী বসপু চাহল্লী। লীলা শান্নবা তাববদি লালাদা য়াওগদবা মী চংঙী, মফম (ধাম) চংঙী চমস্রং মচাক্লচিংবা পেং কযামুস্ন চঙী, শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনা পূম্নমক অসি অনাদি কালদগী পুথোক্তুনা থমগ্রবনি। মথক্কী পযাবগী টীকাদা যেংবিযু।

"লীলা বস চুপ্পবগী' অসিনচিংবা পযাব তথাই অসিদা অহানবা মতাংগী শ্লোক ৫ মঙাশুবদা যাওবিবা "অপিভুবি পুনা দেহভেদ গতৌ" শরুক্কী অর্থ তৌজবে।

৮৫ ৮৬। হৌজিক অহানবা মতাংগী মঙাশুবা শ্লোক্তা যাওরিবা "চৈতন্যাখ্যং প্রকটমধুনা" অসিনচিংবা শরুক্কী অর্থ পযাব অমা মখাইদা তৌজবি। পূর্ণ শক্তিমান্ শ্রীকৃষ্ণনা পূর্ণশক্তি শ্রীরাধাগী ভাব অমস্রং কুচু (কান্তি) ওইবগা জগৎকী প্রেম-ভক্তি তম্বিগে হাঈবগীদমক শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য ওইহুনা স্বয়ং অবতীর্ণ (অবতার) ওইররে। তম্বিনবগী—জগৎকী জীবদা তম্বিনবগী। অবতাব তৌহুনা—শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং অবতার তৌহুনা। বাধাগী-ভাবকা-কুচুগা—শ্রীবাধাগী ভাব (মাদনাখ্য মহাভাব) অমস্রং সনা অহিংবগী কুচু (পীত—কান্তি) অনি পুন্না ওইহুনা। লৌহুনা—ওইহুনা। ব্রজদা শ্রীকৃষ্ণনা মাদনাখ্যভাব ওইরমদে, সনা অহিংবা কুচুস্ন ওইবমদে, মহাক্লা শ্রীবাধাগী ভাব অমস্রং কুচু ওইহুনা শ্রীগৌরাঙ্গ ওন্দুনা নবদ্বীপ্তা আবির্ভাব তৌবনে। (১।৩।১০ শ্লোক্কী টীকাদা যেংবিযু)।

ষষ্ঠ শ্লোকের অর্থ করিতে প্রকাশ।
প্রথমে কহিয়ে সেই শ্লোকের আভাস। ৮৭

অর্থ :—

হৌজিক তরুকশুবা শ্লোকী অর্থ ফোংদোকচগে।
অহানবদা শ্লোকী মরম রাহৌদোক হাঙ্গৈখিগে। ৮৭

গৌর-কৃপা টীকা

পয়ার ৮৫ তা "রাধ —ভাবদ্যুতি সুবলিতং কৃষ্ণস্বরূপং" গী অর্থ ফোংদোকচরে। শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য ওইনা—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য হাঙ্গৈনা মিং কৌহ্না অবতীর্ণ ওইররে। শ্রীরাধাগী ভাবকা কুচুগা ওইহ্না শ্রীকৃষ্ণনা নবদ্বীপ্তা অবতীর্ণ ওইবা মতমদা মহাকী মমিং চৈতনা কৌবে অমসুং স্বরূপসু (মশাসু, মশকুসু) চৈতন্য (সচ্চিদানন্দ) ওইরে। শ্রীবৃন্দাবনগী বসবাজ শ্রীকৃষ্ণগী মশাদা অবতার তৌরকদবা ঈশ্বর পুম্নমক তূংহ্না লৈবনিন। মতম-মতম অহুগী মতাং চারকপদা অবতার তৌগদবা ঈশ্বর অমমম্ থাদোকপনি ; মাহু থাদোকখ্রগা বৃন্দাবন ধামদা শ্রীকৃষ্ণ লৈহৌদবা নত্তে। শ্রীবৃন্দাবন ধামদা লীলা শাম্নবগী অমুক লেপ্পা লৈতে। অত্তনা শ্রীমন্ মহাপ্রভু অচম্বা মী নত্তে, সচ্চিদানন্দ ভগবদবিগ্রহনি হাঙ্গৈবসি পযাব অসিদা ফোং-দোক্নি। পয়ার ৮৬ কী অহানবা তত্থাইদা "চৈতন্যাখ্যং প্রকট মধুনা" শব্দক অসিগী অর্থ ফোংদোকচরে। পয়ার ৫২ শুবদা য়াওরিবা "কৃষ্ণগী মুংশিবা শক্তম শ্রীরাধিকানা ওই' হাঙ্গৈবা অহুদগী অসি কাওবদা "রাধা কৃষ্ণ-প্রণয়বিকৃনি" নচিংবা অহানবা মতাংগী মত্তাশুবা শ্লোকী অর্থ তৌজরে।

৮৭। হৌজিব অহানবা মতাংগী তরুক শুবা শ্লোকী অর্থ ফোংদোকচবা হৌজবি।

তরুক শুবা শ্লোক—"শ্রীরাধায়াঃ প্রণয়মহিমা" নচিংবা অহানবা মতাংগী তরুক শুবা শ্লোক। রাহৌদোক - রামাঙযানবা। তরুকশুবা শ্লোক্কা হাঙ্গৈরি, শ্রীরাধাগী-প্রেমগী মগুণ্নচিংবা পোং অহুম অহু করম তৌবা, মাহু খঙনীংহ্না শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীগৌর ওইহ্না নবদ্বীপ্তা অবতীর্ণ ওইররে। তৌইগুম্বসুং পূর্ণ ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা মতৌ অসুম্না খঙনীংলুরি বগী মরম কন্নিগীনো হাঙ্গৈবা অহুদি মথক্কী শ্লোক্কা হাঙ্গৈরমদরে, মাহুগী মরম হাঙ্গৈনবগীদমক শ্লোক অহুনা রামাঙ য়ানবদনি (রাহৌদোকপদনি)। শ্রীরাধাগী প্রেমগী মগুণ্নচিংবা পোং অহন অহুগী অংকপা শক্তি অহুদি অসিনি, পোং অহুম অহুবু চানীংবগী অমসুং খঙনীং-বগীদমক অপা পোকুই, মা অসি অংপাগুন শ্লোকী রামাঙয়ানবনি (রাহৌদোক্নি)।

অবতরি প্রভু প্রচারিলা সঙ্কীর্ত্তন।
এহো বাহ্য হেতু-পূর্ব্বে করিয়াছি সূচন ॥ ৮৮
অবতারের আর এক আছে মুখ্যবীজ।
রসিক শেখর কৃষ্ণের সেই কার্য্য নিজ ॥ ৮৯

অর্থ :—

প্রভু অবতার তৌদুনা সঙ্কীর্ত্তন্ শন্দোকরে।
মাদু মপানগী থৌবম্নি—মথক্তা ফোংখরে ॥ ৮৮
অবতারগী মরু ওইবা মবম অমা লৈরি।
মাদু রসিক কৃষ্ণ মশাগী থবক ওইরি ॥ ৮৯

গৌর-কৃপা টীকা

মতুংগী পয়ার পূম্নমক্তা রাধাগী প্রেমগী অতক্পা শক্তিগী রা হাঙ্গঙরি। রাহৌদোক অদু অসিনি, "অনর্পিতচরীং" শ্লোকস্তু শ্রীগৌর অবতারগী মবম হাঙ্গরি; অদুগা "শ্রীর ধান্না: প্রণয়মহিমা" নচিংবা শ্লোকস্তু অবতারগী মরম হাঙ্গরি। অবতার অমত্তগী (থবক অমত্তগী) দমক শ্লোক অনিনা মরম মখল অনিথোক্না ফোংদোক্পদা মীগী পুক্কিংদা চিংনবা পোকপা হই, চিংনবা অদু কোরনবগীদমক মরম অনি পীরিনা—অদুগী কান্নবা উৎপগা মথৌল কৃই—রাহৌদোক্না মাদু পযার ৮৮। ৮৯ দা উহল্লি। "অনর্পিতচরীং"—শ্লোকনা মবম হাঙ্গনিবা অদুনা গৌণ বাহ্যনি, মপানগী মরম্নি, অদুগা "শ্রীরাধায়া" শ্লোকনা হাঙ্গরিবা মরম অদুনা মতুংগী মরু ওইবা মরম্নি (মুখ্য বা অন্তরঙ্গনি)।

৮৮। শ্লোকী রাহৌদোক পয়ার অমদ হাঙ্গজরি। অনর্পিতচরীং শ্লোকী ব্যাখ্যাদা হাঙ্গজখরে, নাম প্রেম শন্দোক্নে হাঙ্গবগীদমক প্রভুনা অবতীর্ণ ওই অমস্ম মাদুগা মবমদা অবতীর্ণ ওইরগ মহাক্না নাম সঙ্কীর্ত্তন শন্দোক্ই; তৌঙ্গগুমস্ম, সঙ্কীর্ত্তন শন্দোক্পদি প্রভুগী মপানগী থবক্নি হাঙ্গবা অদুস্ম মথক্তা মতাং অসিগী পয়ার ৫ দা হাঙ্গখরে। মাদু সঙ্কীর্ত্তন শন্দোকপা অদু। মপানগী থৌবম্নি মরু ওইবা মরম নত্তে, মপা চানরুব, থবক্ (মসা লোংথোবক্পনি)।

৮৯। মপানগী থবক ওইবা নাম-সঙ্কীর্ত্তন শন্দোকপা নত্তবা শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা অবতার তৌবগী মরুওইবা মরম অমা লৈরি, রসিক শেখর শ্রীকৃষ্ণনা মশাগী করিগুম্বা অপাম্বা অনীংবা অমা পাঙথোক্নে হায়বগীদমক মরু ওইনা অবতার তৌরিবনি। মশাগী থবক পাঙথোক্নীংবা অদুনা মহাক্না অবতার তৌবগী মরু ওইবা মরম্নি (মথৌনি)।

অতিগূঢ় হেতু সেই ত্রিবিধ প্রকার।
দামোদর স্বরূপ হৈতে যাহার প্রচার॥ ৯০

অর্থ :—

মাহু-মখল অহুম শুই, য়াম্না থুপ্পা মরম্নি।
স্বরূপ দামোদরদগী মাহু শন্দোক্লকপনি॥ ৯০

গৌর-কৃপা টীকা

মরম অমা লৈরি—মপানগী থবক নাম সঙ্কীর্ত্তন নত্তবা মরম অমা লৈরি। মশাগী থবক ওইরি—থবক অহু পাঙথোক্কে হাঙ্গৈনা নীংবা অহুনা অবতারগী মরু ওইবা মরম ওইরি, থবক অহুদি শ্রীকৃষ্ণ মশামক্তৈনি, জগৎকীদমক্তি ওইফম থোক্তরে। নাম সঙ্কীর্ত্তন শন্দোক্পনা জগৎকীদমক্সি, শ্রীকৃষ্ণ মশাগী নত্তে; তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা মরম অমগীদমক মরু ওইনা অবতার ওইরিবা অহুদি জগৎকীদমক নত্তে, মশাগীদমক্সি; মরম অহুনা মাহু মহাক্লা অবতার তৌবগী মরু ওইবা মরম্নি (মথৌনি)। মরু ওইবা মরম অহুদি :— শ্রীকৃষ্ণনা প্রেমরস কী মহাও চাগে হাঙ্গৈনা নীংহুনা রাশকখি; অহুনা প্রেমরসকী মহাও চাবনা মরু ওইবা অবতারগী মরম্নি, মতাং অসিগী পয়ার ১৪ শুরক্পদা ফোংদোকচখরে। ১। ৪। ১৪ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু।

৯০। শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী থবক ওইবা মরু ওইবা মরম অহু করিনো, মাহু হাঙ্গৈজরি। মরু ওইবা মরম অহুদি য়াম্না থুপ্পা লৈবনি; শ্রীমন মহাপ্রভুগী অনিগুবা হকচাংগুম্নবা য়াম্না মুংশিনবা মনুংচনবা লোঙ্গৈনবা স্বরূপ-দামোদর-গোস্বামী নত্তনা অতে কনা অমতনা মাহু খঙদে; স্বরূপ-দামোদরদগী অতোপ্পা মীশিংনা মাহু খঙবা ভমখি। অহুম ওইবা মরু ওইবা মরম অহু মখল অহুম থোক্না থাঙ্গৈরি (অঙ্গ অহুম শুই)—(ক) শ্রীরাধাগী প্রেমগী-শুম্না করম তৌবা, (খ) শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী নিংথিজবনা (মাধুর্য্যনা) করম তৌবা (গ) অহুগা শ্রীরাধানা অহুম ওইবা মাধুর্য্য অহু চারগা মুংঙাইবা পোকপা অহুনা করম তৌবা করম হাঙ্গৈনা মুংঙাইবা—পোং অহুম অসি খঙনীংবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা অপাম্বা, অনীংবা (লালসা) অহুম পোকখি; অনীংবা অহুম অহুনা অবতার তৌবগী মরু ওইবা মরম অহুগী মখল অহুম অহুনি (অঙ্গ অহুম অহুনী), অনীংবা অহুম অসি পূম্না পাঙথোকপনা অবতার তৌবগী মরু ওইবা মরম্নি। মাসি প্রভুগী অচানবা ভক্ত স্বরূপ দামোদরদগী দাস-গোস্বামীনা খঙলকপনি অমসুং দাস গোস্বামীদগী কবিরাজ গোস্বামীনা খঙলকপনি। অমদি স্বরূপ-দামোদরগী খাতা বইদগী খুৎনা ইবা লাইরিক্তগী কবিরাজ গোস্বামীনা মাহু খঙবা ঙম্মী। য়াম্না থুপ্প—মী খঙদবা।

স্বরূপ গোসাঞি—প্রভুর অতি অন্তরঙ্গ।
তাহাতে জানেন প্রভুর এ সব প্রসঙ্গ ॥ ৯১
রাধিকার ভাব মূর্ত্তি প্রভুর অন্তর।
সেই ভাবে সুখ-দুঃখ উঠে নিরন্তর ॥ ৯২

অর্থঃ -

স্বরূপ গোসাঞিদি প্রভুগী মন্নুংচনবা মীনি।
মাহুদা, প্রভুগী ব্রাবী পূন্নমক খঙবনি ॥ ৯১
প্রভুগী থমোই এই বাধাগী ভাব-মূর্ত্তিনা।
ভাব অহুনা অবা-নুংঙাই ফাওই তৎতনা ॥ ৯২

গৌব-কৃপা-টীকা

৯১। শ্রীমন মহাপ্রভুনা মশাগী কবিগুম্বা অপাম্বা অমা সিদ্ধি ওইননবগীদমক অবতীর্ণ ওইবনি, মাহু স্বরূপ-দামোদরনা কবম তৌনা খঙবগে হাঙ্গবহু ফোংদোকচবি। মহাক্কি প্রভুগী যাম্না মন্নুংচনবা ভক্ত অমনি অহুনা খঙবা ওম্লিবনি।

৯২। স্বরূপ দামোদবনা মন্নুংচনবা ভক্ত ওইবগা কবম্বা মবমদা প্রভুগী মন্নুংগী ব্রা খঙবা ওম্বগে মাহু পযাব মবিদা হাঙ্গজবি।

শ্রীবাধাগী ভাবতা চংখিহুনা শ্রীমন মহাপ্রভুনা মশাবু শ্রীবাধানি হাঙ্গন খনখবে, অহুনা ভাব অহুদা কবিগুম্বদা কৃষ্ণ ফংলে হাঙ্গনা খন্দুনা শ্রীবাধাগী মতৌগুম্না নুংঙাইবা ফংই, অহুগা অমুক শ্রীকৃষ্ণ উনদরে হাঙ্গনা ওমখৈ লৈতনা অব্রাবগী সমুদ্রদা তাই, অহুগা করিগুম্বা কালদনা (মতম) শ্রীকৃষ্ণবু খৌবাংবনা ঙাওবক্তুনা মনাই স্বরূপ-দামোদবগী লেংবান্ পাঙ্গহুনা কপ্লকই অমস্নুং মশাগী পুক্নিংগী ব্রা পূন্নমব স্বরূপ-দামোদবগী মফমদা ফোংদোকই, মাহুদগী স্বরূপ-দামোদবনা প্রভুগী অবতাবগী মরু ওইবা মবম খঙবা ঙম্মীবনি।

ভাব মূর্ত্তি—ভাবকী মূর্ত্তি। বাধাগী ভাব-মূর্ত্তিনচিংবা—শ্রীমন মহাপ্রভুগী থমোইস্নুংদা শ্রীবাধাগী ভাবকী মূর্ত্তি লৈবম্মী, শ্রীবাধাগী মাদনাখ্য-মহাভাব লৌবদা প্রভুগী থমোই অহু শ্রীরাধাগী ভাবকা তিন্নখিহুনা অমতা ওইখরে, প্রভুগী মতৌ অহু উবদা পুক্নিংনা নীংঙী, শ্রীরাধাগী ভাবনা মূর্ত্তি পান্দুনা প্রভুগী থমোই ওইবনি; শ্রীবাধাগী থমোইদা শ্রীকৃষ্ণগী

শেষ লীলায় প্রভুর কৃষ্ণ বিরহ উন্মাদ।
ভ্রমময় চেষ্টা, আর প্রলাপময়বাদ॥ ৯৩
রাধিকার ভাব যৈছে উদ্ধবদর্শনে।
সেই ভাবে মত্ত প্রভু রহে রাত্রিদিনে॥ ৯৪

অর্থ :-

অরোইবা লীলানা কৃষ্ণ কাইনবগী য়াবা।
ওন্না-তৈনবা মতৌ তৌবা অমসুং ৱেংথাবা॥ ৯৩
উদ্ধব উবদা রাধিকানা থনবা অতুম্বা।
প্রভুনা অহিং নুংথিল্দা ভাওই ভাব অতুনা॥ ৯৪

গৌর কৃপা-টীকা

মরমদা থল্লকপা ভাব অতু শ্রীমন মহাপ্রভুগী থমোইদসু মতৌ অতুগুম্বা থল্লকই, প্রভুগী থমোইদা। শ্রীরাধাগী থমোইগা করিগুম্বা খেন্নবা অমতা লৈবমদে থমোই—পুম্নি। ভাব অতু—শ্রীরাধাগী ভাবতা চঙখিবা অতুনা। অন্না-মুংওাই—শ্রীকৃষ্ণগা নোঙইনবদা ফংবা নুংঙাইবা অমসুং শ্রীকৃষ্ণ উননীংবগী অবাবা মৈচাক যংবা। ফাওই—প্রভুগী থমোইদা রাধাভাব ফাওই।

৯৩। কৃষ্ণ কাইনবগী য়াবা—শ্রীরাধাগী ভাবতা শ্রীকৃষ্ণ কাইনবগী য়াবা। শ্রীকৃষ্ণব্ থৌয়াংবদা শ্রীরাধানা অয়াব পোকখিবা মতৌ অতুম্বা প্রভুসু শ্রীরাধাগী ভাবতা মুনখিত্তুনা শ্রীকৃষ্ণ কাইনবগী অয়াবা ফাওত্তুনা অরোইবা লীলাদা য়াম্না ওাওখি অমসুং কপখি। ওন্না-তৈনবা মতৌ তৌবা—জ্ঞান য়াওদবা মীগী লমচৎ, মওংদি, শ্রীকৃষ্ণনা মথুরাদা লৈথ্রবা হাঙবা অসি কাউখিদ্রনা মপুম্নিংদা ওন্ন-তৈনন। শ্রীকৃষ্ণদি ব্রজদা লৈ হাঙনা খনখি, ম ম অতুদগী কুঞ্জগা শান্নগনি হাঙত্তুনা কুঞ্জদা অভিসার, তৌঈ অমসুং বাসক-সজ্জান-চিংবা শেম্মী, অতুগা করি কবিগুম্বদসু আকাশতা নীম মচু মানবা নোং (নীলমেঘ) উবগা মাত্তবু কৃষ্ণনি হাঙনা পুক্লিংনা থল্লুন। খণ্ডিতা নায়িকাগী ভাবতা মহাক্না লাউ-খোংগী। মতৌ অসুম্না তৌবা মওং অসি ওন্না-তৈনবা কৌই। (উ, নী, স্থা ১৩৭ শ্লোকা য়েংবিয়ু) ৱেংথাব—আরেম্বদা ৱেংথাবা। ব্যর্থালাপ, প্রলাপঃ স্যাৎ (উ, নী, উদ্ভা, ৮৭)। দিব্যোন্মাদগী মখুংচবা চিত্রজল্পাদির লক্ষণ (উ, নী, স্থা ১৭০ শ্লোক য়েংবিয়ু)।

৯৪। ৱেংথাবগুম্বা য়াহৈ অতু করম তৌবগে হাঙজবদু হাঙজন্নি। মথুরাদগী শ্রীকৃষ্ণ-না উদ্ধবপু দূত ওইনা ব্রজদা থাবম্মী অমসুং মাত্তগী মরমদা উদ্ধবনা শ্রীকৃষ্ণগী পাও

রাত্র্যে বিলাপ করেন স্বরূপের কণ্ঠ ধরি।
আবেশে আপন ভাব কহেন উঘাড়ি॥ ৯৫
যবে সেই ভাব উঠে প্রভুর অন্তর।
সেই-গীত-শ্লোকে সুখ দেন দামোদর॥ ৯৬

অর্থ :—

আহিংদা কপ্নী-স্বরূপকী ওকশমদা কোন্দুনা।
রাধাভাবতা মশাগী ভাব হাঈরকই ফোংদোক্লা ॥ ৯৫
প্রভুগী থমোইদুংদা ভব ফাওরকপা মতমদা।
স্বরূপা ঈশৈ শকুনা নুংঙাইহল্লী প্রভুদা ॥ ৯৬

গৌর রূপা টীকা

খণ্ডহনগে হাঈবগীদমক শ্রীরাধিকানচিবী গোপগী ফজবীশিংগী মকমদা চংলম্মী, মতম অতুদা মাবু উরগা শ্রীরাধাগী পুক্লিংদা শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা ভাব করান্তক পোকখি অমসুং ভাব পুন্নমক্লগী শোইনা (শ্লো) শ্রীরাধানা রা বয়ামুক ফোংদোকখি (পুন্নমক অতু চিত্রজল্প হাঈনা খঙনা অমসু শ্রীমদভাগবতকী ভ্রমরগীতাদা পুন্নমক অতু ইতুনা লৈ।) শ্রীকৃষ্ণ লাঈনবগী রখন্দা রাধাগী ভব চংখিহুনা প্রভুগী পুক্লিংস্থ ভাব পুন্নমক অতু নীংসংলবই অমসুং প্রভুস মতম অদুনা নশাগী ঋাতাংদা (প্রলাপময় বাদে) মতো অতুম্না চিত্রজল্প ভাব ফোংদোকখি।১।১৩।১৮ পয়ার টীকাদা চিত্রজল্পগী নওং য়েংবিযু। উদ্ধব উবদা শ্রীকৃষ্ণনা দূত ওইনা থাবকপা উদ্ধব পু উনদা। অহিং মুংগিন—মকম লৈবা খিবিদা।।

৯৫—৯৬। স্বরূপ-দামোদব প্রভুগী মরুংচনবা ভক্তনি হাঈবহু পয়ার অসিদা প্রমাণ পীজবি। শ্রীকৃষ্ণ লাপ্নবদা থাওবা ওমদতুনা শ্রীরাধানা মাগী পর ইগা মাম্না সুংশিন্তনা ললিতাগী ওকশমদা কোল্লতুনা তেংথাতুনা কপ্পবই, রাধ ভাব মুংখিতুনা শ্রীমন মহাপ্রভুস্থ শ্রীকৃষ্ণ লাংনগী তক্লাবা অতু ফাওবতুনা (অরে ইনা—কাঁদ) অহিংদা নোংই স্বরূপদামোদর॥ ওকশমদা কোল্লুনা য়াম্না য়ানা তেংথাতুনা কপখি নমসু মশাগী পুক্লিংগী রা পুন্নমক অতু মাংতানা ফোংদোকমই। (মহাপ্রভুগী ব্যবহার অসিনা খঙবা ওম্মা, স্বরূপ দামোদর অসি মহাক্কী য়াম্না চান্নবা—মরুংচনবা ভক্ত অমনি, নংবদি মহাক্কী মফমদা মশাগী মরুংগী নরু ফোংদে য়েংইনবনি।) স্বরূপ-দামোদরস্থ প্রভুগী পুক্লিংগী রা খঙতুনা—প্রভুগী পুক্লিং নেমথগদবা য়েংতুনা ঈশৈ শকই অমসুং শ্লোক পীখি।

এবে কার্য্য নাহি কিছু, এ সব বিচারে।
আগে ইহা বিবরিব করিয়া বিস্তার।। ৯৭
পূর্ব্বে ব্রজে কৃষ্ণের ত্রিবিধ বয়োধর্ম্ম।
কৌমার, পৌগণ্ড, আর কৈশোর অতি মর্ম্ম।। ৯৮

অর্থ

হৌজিক মতাং চাক্লি ময়ামসি বিচাব থিতুনা।
মতুংদা শিংথাজগে মাহু য়ায়া শন্দোক্লা।। ৯৭
মমাংঙৈদা ব্রজদা কৃষ্ণগী ধর্ম্ম অহুম্নি।
কৌমার, পৌগণ্ড, অথোইবা কৈশোব অসিনি।। ৯৮

গৌর-কৃপা টীকা

মুংথিনগী মতমদা অতাপ অতোপ্পা মী ময়ামগা তিন্নবা মবম্না প্রভুগী পুক্লিংগী অম্নাবা অহু থবা পোংথাই, তৌইগুম্বসুং অহিংগী মতমদদি মপান্গী অতোপ্পা মীশিং অহু ময়ুম ময়ুমদা চংনখি অহুগা স্বরূপ-দামোদবগুম্বা মনুংচনবা ভক্ত অমা অনিজা প্রভুগী নাক্তা লৈহোই, মী চিরুরুবা মতমদদি প্রভুগী থমোইদা ভাবকী ঈথক কারকই; মতম অহুদা শ্রীকৃষ্ণ লাপবগী য়াবনা ভংথবা ঙমদহুনা রাধ-ভাবতা তেংথাহুনা কপ্পকই। অহিংগী মতমদা ভাবকী ঈথক কাবা কনখৎলকপগী মবমদি অসিনি প্রভুনা খল্লী—মহাক রাধানি অহুগা মাগী প্রাণবল্লভ (থরাইনা মুংশিজবা) শ্রীকৃষ্ণনা মাবু থাদোক্লুনা মথুবাদা লেঙথরে; ব্রজদা লৈবিঙৈগী মতমদদি অহিংগী মতমদা মাগা লোঈননা মধুর লীলা কয়া কযা শান্নে; তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি বৃন্দাবন অহুম্বু লৈরি, মহাকম্বু লৈরি, অহিং অহুম্বু লাক্তুনা থুংলৈ—মাগী প্রাণবল্লভতংক লংবা অমুম খল্লুবদা মুংশি-মৈচাক্লা চাকুপদা য়াবনা মহুপানবা বৃশ্চিক (লিলগুম্বা) লিশিং অমনা চিকুপদগী হেন্না অম্নাবা ফংখবে। অহিং হেক ওইরকুপদা ভাব পুম্নমক তসি নীংসি লক্কুনা প্রভুগী অম্নাবগী সমুদ্রে অহু ঈথক হৌখি। স্বরূপ-দামোদব—মহাক ব্রজগী ললিতা সখানি। বাধাভাব খল্লুবদা প্রভু মশামক রাধানি হাঈনা খল্লী, স্বরূপ, ললিতা সখীনি হাঈনা খল্লী। ঈশৈ শক্কুনা—প্রভুগী পুক্লিংগা চনুবা ঈশৈ শক্কুনা নম্রগা শ্লোক থীহুনা।

৯৭। বিচাব থিতুনা—মহাপ্রভুগী ভাবকী য়া অমসুং স্বরূপ দামোদবগী শ্লোক-ঈশৈগী য়া থিরুহুনা।

৯৮। মথক্কী পয়াব ৯০দা গৌর-অবতারগী মরূ ওইবা মবম অহু মথল অহুম্নি হাঈজখরে। মথল অহুম অহু কবি করিনো হংঈবহু কোংদোকচরি।

গৌর-কৃপা-টীকা

মমাংঙৈদা—দ্বাপর যুগতা। ব্রজদা—কোংদোক্রশান্নবা ব্রজলীলাদা ধর্ম্ম অহুম্নি—চহি মথল অহুমগী ধর্ম্ম পুথোকই। ধর্ম্ম-মওং। অহুম ওইবা চহিগী ধর্ম্ম, মওং অহুম থোক্লিবহু করি করিনো? কৌমার (অঙাং), পৌগণ্ড (মহৈ তম্বগী মতাং) অমসুং কৈশোর (কেনীং-লক্পগী চহি মতাং)। পোকপদগী চহি মঙা লোইবা ফাওবগী মতম্, কৌমার (অঙাং) কৌই, চহি তরুক্তগী তরা ফাওববু পৌগণ্ড (মহৈতম্বা হৌবা অমসুং খণ্ডশেন-খনঙাক ঙাকপগী মতাং) কৌই অমসুং চহি তরা-মাথোইদগী তরাতরুক ফাওববু কৈশোর (কেবা হৈরবা-মতাং) কৌই, কৈশোরগী মতুংদা যৌবন (পাখং) ওই।

"বয়ঃ কৌমার-পৌগণ্ড-কৈশোর মিতি তন্ত্রিধা। কৌমারং পঞ্চমাব্দান্তং পৌগণ্ডং দশমাবধি। আষোড়শাচ্চ কৈশোরং যৌবনম্ স্যাত্ততঃ পরম্॥ ভ,র,সি, দাক্ষিণ।১।১৫৭-৮॥" মতমগী মতুংইন্না লাকপা, মতমগী মতুংইন্না চংথিবা, মাহুম্ তৌরিবা অহু হকচাংগী ধর্ম্মনি। পোকপা কুইত্রিবা থা অমা অনিতা ঙাইরিবা য়াম্না অঙাং ওইবিবা অহুগী হকচাংগা চহি ৪।৫। শুরবা অঙাংগী হকচাংগা মওং মাম্নদে, পাখং ওইরক্পগী ফিবম লাকই; মাহুম্ থুনা চংথি (হৌথি), অহল হন্নবগী মতাং লাকই মাহুম্ কুইনা লৈতে হেক্তা হৌথি। মতৌ অসুম তৌনা চহিগী মতুংইন্না অতোপ-অতোপ্পা ফিবম হোংলকপা অসি হকচাংগী ধর্ম্মনি, অহুম ওইবা হকচাং অহুদ' অতোপ-অতোপ্পা ফিবম মওং ওইবকপা। অহু মতমগী মতুংইন্না লাকই অমসুং চংথি। মবম অহুনা হকচাং অসিনা ধর্ম্মী ওইবা তারে, ফিবম পূম্নমক অহুনা (হাঙ্গবদি অঙাং, পাখং, হন্নুবা ফিবম মওং অহুনা) হকচাংগী ধর্ম্ম ন। শ্রীকৃষ্ণগী মহৌশাগী মশক্তি নিত্যকিশোরনি (চহি ১২।৯।৭ মুমিৎ লেপ্পুনা লৈরবনি।) কোংদোক্রা শান্নবা লীলাদা (প্রকট লীলাদা) অঙাং (বাল্য), পৌগণ্ডনচিংবা মতম চানা ওইরম্মী অমসুং মতম চানা চংথি (হৌথি)—লীলা-শক্তিগী মগুন্না, তৌই-গুম্বসু কিশোর ওইবগী ফিবম অসিদি নিত্যনি (অরেপ্পনি চংথিবা মাঙখিবা লৈতবনি), মবম অহুনা কৈশোরনা ধর্ম্মীনি অমসুং বাল্য-পৌগণ্ডনচিংবনা মাগী ধর্ম্মনি। কৈশোর অসিনা অবেপ্পনি হাঙ্গত্না অথোইবনি হাঙ্গনা শিংথানবি। "বয়ঃ পরং ন কৈশোরাৎ। প, পু, পা ৪৬। ৫১॥" শ্রীকৃষ্ণদি পাখং ওইবা নত্রগা অহল—হন্নুবা ওইবা লৈতে। কৈশোরগী মতাংগী হকচাং অহু মতম পূম্নমক্তা অহুম অবেপ্পা ওইত্না লৈরবনি, যুগ কথা কথা হৌগ্রবস্ত্র শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী ফিবম কৈশোরগী মওংদি অমুক কাঙ্গবা লৈতরে। শ্রীমদ্ভাগবতামৃতগী শ্লোক ২।৫।১১২ দা "বয়শ্চ শৈশব-শোভাবাশ্রিতং সদা তথা

বাৎসল্য আবেশে কৌমার সকল।
পৌগণ্ড সকল কৈল লঞা সখাবল॥ ৯৯

অর্থ :—

বাৎসল্য রস চানীংহুনা অঙাং ওইনা শাম্নে।
মরূপশিংগা লোঈননা পৌগণ্ড ওইনা শাম্নে॥ ৯৯

গৌর-কৃপা-টীকা

যৌবনলীলয়াদৃতম্ ॥" শরুক থরা অসিগী টীকাদা শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীনা ইরম্মী "বয়শ্চ তচ্ছৈশব শ্রীকৃষ্ণ—সম্বন্ধি পরমাশ্চর্য্যমিতি বা সদা শৈশব শোভয়া পরমসৌকুমার্য্য-চাপল্যশ্মশ্রূদ্গমাদিরূপয়া বাল্যলক্ষ্মা আশ্রিতম। তথা সদা যৌবনলীলায়া বিবিধ বৈদগ্ধ্যাদিরূপয়া তত্তদ্ ভেদভঙ্গ্যা বা আদৃতঞ্চ।—শ্রীকৃষ্ণগী চহিদি যাম্না অঙকপনি অঙাংগী ফজবা অচু মাঙোন্দগী ওনজবনি—হাঈবদি ফজবা পূম্নমক্না মাঙোন্দা চঙজবনি।

অথোইবা কৈশোর—চহিগী ময় ওইবা মতাংদি কৈশোরনি, মতাং অসি য়াম্না মুংশি, মরম অচুনা কৈশোরবু অথোইবা হাঈরিবদি। শ্রীকৃষ্ণগী চহি মতা নি কৈশোরগী মতা অসিদা নিত ওইদুনা লৈরবনি; ফোংদোর্‌লা শাম্নবা লীলাদা (প্রকট লীলাদা) বাৎসল্য অমসুং সখ্যরস চাগদবগীদমক অঙাং অমসুং পৌগণ্ড ওইগে হাঈনা মহাক্না মাশক্‌খিত্তনা ওইরুবনি, কৈশোরদা গুণ পূম্নমক্না ভাম্দুনা লৈ হাঈদুনা কৈশোরনা ধর্ম্মী ওই; কৈশোরদা ভক্তিরস পূম্নমক্কী চঙজফম্নি অমসুং কৈশোরদা অমেম্মা অনৌ-অনৌবা শাম্নবা অঙবপা থিরিক থম্না লৈ, মরম অদুনা কৈশোরদা অথোইবনি। "বয়সো বিবিধত্বেহপি সর্ব্বভক্তি-রসাশ্রয়ঃ। ধর্ম্মী কিশোর এবাত্র নিত্যনানাবিলাসবান। ভ, র, সি, দক্ষিণ। ১। ২৭।"

৯৯। চহি মথল অহুমগী মনুংদা করি ভাবতা করম্বা চহিদা শ্রীকৃষ্ণনা করম্বা রস চুম্নগে হাঈবদু শিংথাজরি। অঙাং ওইরিঙৈদা বাৎসল্য রস, পৌগণ্ডদা (চহি ৫দগী ১০ ফাওবদা) সখ্যরস (মমাম্না মরূপ তিম্নবগী মুংঙাইবা রস) অমসুং কৈশোরদা কান্তারস চাদুনা রসিক শেখর শ্রীকৃষ্ণনা মথল-মথা অয়াম্বা চহিবু মহম্ম য়ালহল্লী।

বাৎসল্যরস চানীংদুনা—শ্রীকৃষ্ণনা বাৎসল্য রস চানীংবদগী মমা-মপানা য়োকপি-থাকপিরিবনি হাঈনা লৌবা য়াবিথি, মশা অচু মরম খুদিংদা মতম লৈবথিবিক্লা থবক ত্তৌনা হুমদ্রিবনি হাঈদুনা (মশাগী চাননবা থিবদি লাইবদুন মশাদা চিবপা কাওনহন্নি

রাধিকাদি লঞা কৈল রসাদি বিলাস।
বাঞ্ছা ভরি আস্বাদিল রসের নির্য্যাস॥ ১০০

অর্থ :—

রাধানাচিংবী লোঙ্গনবা রাসনচিংবা শামৈ।
নীংবা থুংনা রসকী মনাও চাহুনা শামৈ॥ ১০

গৌর-কৃপা টীকা

ফাওবা তাম্থোকপা ভমদে হাঙ্গইহুনা) মমা-মপাগী মথক্তা নম্মুনা লৈরম্মী, মাসিবু বাৎসল্য ভাব কৌই। অডাং ওইরিবৈগী মতমনা ভাব অসি মপুংফানা ফোংদোকই চহিনা অসুম অসুম রামথৎলকপগী মতুংইন্না, মশাগী হকচাংসু মপাঙ্গল থরা থরা অসুম কনথৎলকই, পাঙ্গল কনথৎলকপগী মতুংইন্না অডাং ওইবগী কাঙ-হয়িং তাম্থোকপা, ভনদবা, থবক শংবা ওয়নদবা অহু কাউথরে, কোক্থরে—অডাংগী বাখন পুমতোক-তোকথরে। কৈশোর ওইবগী চহি এতাং অহুদদি বাৎসল্যগী (মমা-মপাগী মথক্তা মপুংফানা) নঙ্গম্বা অহু অয়াম্বা লৈতরে। শ্রীকৃষ্ণদি কৈশোরগী মতাংদা লেপ্তুনা লৈবনি, অহুনা নিত্য কিশোর স্বরূপগী বাৎসল্য ভাবনা অথোইবা ওইক্ষম থোক্তে; অহুবু প্রকট (ফোংদোকপা) লীলাদা অডাংগী হকচাং অমসুং পৌগণ্ডগী হকচাং ওইনা মথং-মনাও নাইনা ফোংদোকল্লুই অহুগা অমুক মথংশিংনা মতম-চানা লোইশিনখি (চংখি)। অডাং ওইনা ফোংদোকপা মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা বাৎসল্য ভাবতা চংহুনা লৈ। বাৎসল্যরস অহু মশানসু চাঙ্গ (মহাও চুপ্পী), বাৎসল্যরসকা ভক্তশিংসু নস চাবা-(চুপ্পা) ফংহন্নী বাৎসল্য ভাবতি নিত্যস্থায়ী (লেডদবা অবেম্মা) নত্তে; মতম থরগীদমক্তা ফোংদোক্লবনি। পৌগণ্ডগী মরমসু অহুমডাই রাকম অমতনি। পৌগণ্ডদা শ্রীকৃষ্ণনা সখ্যভাব (মরূপকা ভাব) তা চংলুবনি।

অডাং ওইনা শামৈ—চহিগী মতুংইন্না চৎনবা, মাঙ্গবা ভব অনমম লৈ, ভাব অহু চারবদি ভাব অহুগা চৎনরিবা চহি মতাং অহু মহৎ য়ানবা কৌই। অডাং ন। চারিবদি বাৎসল্যনি (চংজকন লৈত্রবা অডাং ওইনা মমা মপাগী শুংশিবা অহু চাবা), অডাং ওইরিবৈদা মাহু চাবগা মহাক্না অডাং ওইবা অহুবু মহৎ য়ালহল্লে, হাঙ্গইবদি অডাং ওইনা শান্নবা ফংজহন্দুনা মপুং ফাহল্লে। মতৌ অম্দুম্না পৌগণ্ডসু সখারস চারগা পৌগণ্ড ওইনা শান্নবা অহু মহৎ য়ালহল্লে। মরূপশিংগা লোঙ্গননা—সুবলনচিংবা সখাশিংগা লোঙ্গননা; মরূপশিংগা লোঙ্গননা সখ্যরস চাহুনা শ্রীকৃষ্ণনা পৌগণ্ড ওইনা শামৈ (হাঙ্গইবাদ পৌগণ্ড ওইনা শান্নবা অহু মহৎ য়ালহল্লি, ফজহল্লী)।

কৈশোর-বয়স, কাম, জগত সকল।
রাসাদি লীলায় তিন করিল সকল ॥ ১০১

অর্থ

কৈশোরগী চহি মতাংবু, জগৎপু, কাম্বু।
রাসনচিংবা লীলানা মহয় য়ালহল্লী অহুম্বু॥ ১০১

গৌর-কৃপা টীকা

১০০। শ্রীরাধিকানচিংবী গোপগী মৌশিংগা লোঈননা রাসনচিংবা লীলা শাম্নহুনা রসিক-শেখর শ্রীকৃষ্ণনা মনিংথুংনা রসকী মহাও লৌহুনা মহাকী কৈশোরবু মহয় য়ালহল্লী। কান্তাশিংগা (চান্নবীশিংগা) লোঈননা মধুর ভাবনা শাম্নবনা কৈশোরগী চহি মতাংগী ভাবনি অমসুং মধুর রস অসিদা কৈশোরগী চহি অসিনা অথোইবনি। "শ্রেষ্ঠমুজ্জ্বল এবাস্য কৈশোরস্য তথাপ্যদঃ। ভ, র, সিন্ধু, দক্ষিণ। ১৫৯।"

রাধিকানচিংবী শ্রীরাধা, ললিতানচিংবী ব্রজগী ফজবীশিং। মথোযশিং অসি মধুর (অথুম্বা) ভাবকী কী লোঈনবীনি। রাসনচিংবা শান্নে—শ্রীরাসলীলানচিংবা মধুর (অথুম্বা) রস ওইবা লীলা শান্নে। রসকী মহাও—রসকী মচি, অতৈ অতোপ্পা রস পুম্নমক্কী মধুর-রসনা অথোইবনি হাঈহুনা মধুর রসপু রসকা অথুম্বা মহাও হাঈম্নিবনি। কৈশোরগী মতাংদা শ্রীরাধা-গোবিন্দনা রাস শান্নবা অসি অনাদিকালদগী শামহুনা লৈরক্লি-বনি, প্রলয় চংদবনি অরেপ্পনি, অসুম্না শান্নরিঙৈগী মতমদা ভক্ত ওইবা শ্রীনন্দ-যশোদাগী অঙাং ওইবগী লীলা উংলি, শ্রীদাম সুদামগী এযমদন। মরুপ ওইবগী লীলা উংলি। মতৌ অসুম্না ধর্মী কৈশোরনা অঙাংগী ধর্ম, মরুপ (সখ্য) গী ধর্ম পুথোক্কনা শান্নে।

১০১। অতৈ অতোপ্পা লীলাদগী কৈশোরগী চহি মতাংদা শান্নবা—লীলানা অথোইবনি হাঈহুনা অমসুং কৈশোরগী লীলাগী মগুণবু খরা শন্দোক্লা শিংথাজরি, রাস-নচিংবা লীলানা উপায় ওইহুনা শ্রীকৃষ্ণনা কৈশোরগী চহি মতাংবু, কাম্বু অমসুং জগৎ পুম্নমকপু মহয় য়ালহল্লে, ফজহল্লে।

রাসনচিংবা লীলানা—মতুংদা শ্লোক অনিথক থংননা ইরি, অমনা (সোহপি কৈ-শোরকবয়ঃ নচিংবনা হৌবা) রাস কী মরমদা অমসুং অতোপ্পা অমনা (বাচা সূচিতশর্ব্বরী নচিংবনা হৌবা) কুঞ্জদা শান্নবগী রা ইবি; মরম অসিনা রাসলীলা শব্দনা রাসলীলানে, কুঞ্জদা শান্নবনে অমসুং কুঞ্জদা শান্নবগা এবী লৈননা দানলীলা, হি-তোংহুনা শান্নবনচিংবসু

গৌর-কৃপা টীকা

খওনৈ। লীলা পূম্নমক অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী কৈশোর চহি মতাংবু, জগৎ পুম্নমকপু অমসুং কাম্ব (প্রেম্ব) কঞ্জহন্দুনা মহয় য়ালহল্লী। রাস লীলাদা মতৌ করম্না কৈশোর চহিবু, কাম্ব (প্রেম্ব) অমসুং জগৎ পূম্নমকপু মহয় যালহনবগে হায়বা অছু নৈনকম থোকই।

কৈশোরগী চহি মতাং — শ্রীরাধিকানা চহি ১৪। ২। ১৪ কৈশোরগী চহি মতাং য়ৌরকপা মতমদা মহাক মশাবু লুনা তৌবিগদবা রূপগুণ চংখোনবা হৈশিংবা কনাগুম্বা নীপা অমবু পাম্ফম থোকই, নীংফম থোকই। অমহিকুম্ব শ্রীকৃষ্ণসু কৈশোরগী চহি মতাং অসি য়ৌরকপা মতমদা মহাক মশাবু লুনা তৌবিগদবা রূপগুণ চংখোনবী হৈশিংবী মুপীমচা অমগী রাথন তৌফম থোকই। ফিনম অসিদা খওনয়ে, অনসু অমসু রূপগুণ চংখোনবা-চংখোনবী হৈশিংবা অমমম খৌবাংনরিবসি কৈশোরগী চহি মতাংনা ওইহনবনি, খৌরাংহল্লিবনি। মশক উনীংতুনা খওনীংতুনা থৌরাংলিবা পোংশক অছু ফংবা মতমদা মপুং ফানা রস চংবা য়াবা খুদো চাবা মফম অতু, মফম অতুমক্তা কৈশোরগী চহিমতাংবু মহয় য়ালহনবনি। মায়া জগৎ অসি প্রলয়দা মাঙপ্রবসু শ্রীরাধা গোবিন্দগী কৈশোরগী লীলাদি মাঙদে। মায়া চঙদে। অমগা অমগা শক উনবগী নুংঙাইবা অছু সমুদ্রদগী হেনবনি অংকপনি অমসুং নুঙাইবা অতুগী মপুং ফাবা ফংননবগীদমক নায়ক অমসুং নায়িকা অনিগী মনুংদা নায়কী ফেংদোকফম থোকপা রূপগুণ অমসুং নায়িকাগী ফোংদোক্ফম থোকপা রূপগুণচিংবসু মপুং ফনা ফোংদোকই, চিংথংহৌনা লৈতে। তৌইগুম্নসুং মায়াগী জগৎতা লৈরিবা অচম্বা নীওইনা—অসিনদি মাতুগা চাংদম্নফম থোক্তে, ওইথোক্তবনি; মরমদি মায়াগী (প্রাকৃত) পাখং-লেশাবীগী রূপ-গুণী য়াম্না পিকই, মপুং ফাদে অমসুং মতম কুইদে; মরম অতুনা মখোঙ্গীগী মশাদা কৈশোরগী ফিবম ওইতুনা লৈরম্বসু মতম কুইদে; মখোয় অনিনা অমগা অমগা খৌবাংনবসু মশা-মশাগী নুংঙাইনবগীদমক্তি অমসুং অমসুং মাচননবগী মশক্তি; মহাশ ওইবা অরেম্বা পোং নত্তে। মখোয় অনি উনবদা কৈশোরবু মহয় য়ালহনবা ঙমদে; মরমদি, মাতুদা তৎনবা য়াদবা মিকুপ খুদিংগী নুংঙাইবদু (পুন্সি লোম্বা ফাওবা) লৈতে—নাল্লেংখমস্তি। মরম অসিনা প্রাকৃত (মায়া) গী নায়ক-নায়িকা চায়বনা কৈশোরগী চহি মতাংবু মহয় যালহনবা ঙমদে।

অপ্রাকৃত ভগবদ্ধামদা (অচম্বা লাইরেম্বাক্তা নত্তবা ঈশ্বরগী লৈকমদা,) ভগবৎকী মশক পূম্নমকী অমসুং মখোয়গী চায়বী পূম্নমকী রূপ-গুণচিংবা অরেম্বনি (নিত্যানি);

গৌর-কৃপা টীকা

মখোয়গী মশাদা কৈশোরগী ফিবম ওইদুনা লৈবস্থু অয়েম্বা ওইদুনা লৈ (স্বয়ংরূপ। লৈতে); মখোইগী রূপ-গুণচিংবস্থু অতোপ-অতোপ্পা রূপগুণগী মরম খুদিংদা থোইদোক্ত-হেন্দোকই; ভগবংকী চায়বীশিংদু শ্রীভগবানগী স্বরূপ-শক্তি হ্লাদিনীনা ফোংদোকপনি হায়রদুনা মখোই অনি অমগা অমগা মু শিনবস্থু মহৌশানি, সংসারগী বিষয়দা মাঙ্গ ওনসিনবা নত্তে। মরম অদুনা মায়া পক্তবা ভগবৎধামদা, ভগবংকী মশক পুম্নমক্কী অমস্তুং ভগবংকী চায়বীশিংগী চংজকম ওইরবনা কৈশোরগী চহি মতাংবু মখোযনা মহয য়ানহনবা ঙম্বনি। তৌইগুম্বস্তুং মহয় য়নস্থু মবম খুদিংমক্কা মপুংফানা মহয় য়াম্নে হাঙ্গবদি নত্তে, অদুম ওইবা ভগবংকী মশক অদুনা মশাগী রূপগুণ অদু মপুংফানা চৌম্না শি থাবা ঙমদনা অঙকপগী মশক ওইনা, ধাম অদুদা পংজদুনা ফোংদোক্লগদা কৈশোর অদু মপুংফানা (পূর্ণতম ওইনা) মহয় য়ানবা ঙম্মী। মশিং থীবা ঙমদনা লৈবা ভগংকী মশক পুম্নমক্কী মনুংদা স্বয়ংরূপ শ্রীকৃষ্ণ মতোমতনা মাগী রূপগুণ অদু চাম্না শিংথাবা ঙমদনা অঙকপগী মশক ওইনা ফোংদোকই, মহাক্কী রূপগুণা নারায়ণচিংবা অতোপ। অতোপ্পা ভগবংকী মশকপু চিংশিল্লী, স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণস্থু মশাগী রূপগুণা চিংশিল্লী। "রূপ দেখি আপনার, কৃষ্ণের হয় চমৎকার, আস্বাদিতে মনে উঠে কাম।২।২১ ৮৬॥ কোটি ব্রহ্মাণ্ড পরব্যোম, তাহাঁ যে স্বরূপগণ, তা সভার বলে হরে মন।২।২১।৮৮॥" শ্রীকৃষ্ণগী রূপকা য়া তাবগা নারায়ণগী পুক্নি গী পোৎথ ফম ওইবী লক্ষ্মীগী থমে ইস্থু লাংতক্লবা পোকই। "পতিব্রতা শিরোমণি, যারে কহে বেদবাণী, আকর্ষয়ে সেই লক্ষ্মীগণ॥ ২।২১।৮৮।" বৈদগ্ধী নবতারুণ্যাদি সমস্ত নায়কোচিত গুণের পূর্ণতম অভিব্যক্তিব্রজেন্দ্রনন্দন শ্রীকৃষ্ণে, তাই "ব্রজেন্দ্রনন্দন কৃষ্ণ নায়ক শিরোমণি। ২।১৩ ৪৫।"

অদুগা ভগবদ্ধাম পুম্নমক্তা ভগতবংকী মশক পুম্নমক্কী চায়বী পুম্নমক লৈ, মখোয়গী মনুংদা রূপগুণ হৈ শিংবনচিংবা মবম পুম্নমক্তা ব্রজগোপীশিংনা থাইদোক-হেন্দোকই, মবমদি, ভগবংকী চায়বীনি হাঙ্গিদুনা লৈম্বিবা পুম্নমক্কী মমুংদা ব্রজগোপীশিংতনা "লোকগী ধর্ম্ম বেদ-ধর্ম্ম হকচাংগী ধর্ম্ম-কর্ম্ম। ইথাইবা থরাই নুংঙাইনবা মরম। লাই শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং লম্বী থাদোকপদা য়াববা। ইমুং-মমুং ওইবগী, ঐগী নীনা চৈ-থাংবা। পুম্নমক থাদোক্লগা শ্রীকৃষ্ণবু নীংই। কৃষ্ণ নুংঙাইনবা মবংদা প্রেম সেবা তৌই॥ ১।৪।১৪২-১৪৩॥" শ্রীকৃষ্ণদা মখোয়না অনুরাগ লৈবা অসি (নুংশিবা অসি) অমুক্কী মতিক কনথবে, "গোপীশিংনা মশাগী নুংঙাইবা-য়াবা য়েংদে। কৃষ্ণ নুংঙাইনবা মরম থনবদা পোংথাদে॥ অতৈ পুম্নমক কৃষ্ণগীদমক থাদোকথরে। কৃষ্ণ নুংঙাইনবগীদমক শেংনা

গৌর-কৃপা-টীকা

নীংখরে ।। ১ । ৪ । ১৪৮—১৪৯ ।।" ব্রজগোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণদা প্রেম লৈজবা অসি অসুন্দী মতিক রাংখরে, বৈকুণ্ঠী লক্ষ্মীশিংগী, দ্বারকাগী ইবেন্দশিংগী (কৃষ্ণগী মুপীশিংগী) প্রেমনসু অদুক য়াম্না রাংবা ওমদে, মরম অদুনা ব্রজগোপীশি না শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য চুপচবা ওন্বা অদুগুম্না মথ্বাগী মুপাশিংনা ওমদে, মরম অদুনা ' গোপাস্তপঃ কিমচরণ" নচিংবা (ভা ১০ । ৪৭ । ১৪) শ্লোকা দ্বারকাগী ইবেমশিংনসু ব্রজগোপীশিংগী লাইবকফববু থাগংলী । ভগবংকী চান্নবীশিংগী মসুংদা গোপীশিংগী মবমদা শ্রীকৃষ্ণন হাঙ্গখি —"সহায়া গুরবঃ শিষ্যা ভজিষ্যা বান্ধবাঃ স্ত্রিয়ঃ । সত্যং বদামি তে পার্থ গোপ্যঃ কিং মে ভবন্তি ন ।। কৃষ্ণগী তেংবাংনা, গুরু, মরুপ, চান্নথোইবী । গোপীকানা ওই, শিষ্যা সখী দাসী মুংশিবী ।। ১ । ৪ । ১৭৩ ।।" অদুম ওইবা নায়িকা অদুনা নায়ক অদুবু অদুক্কা মতিক পেলহনবা ঙম্নগা নায়িকা অদুনা মুপী অমা ওইবগী লৈকম থোক্কপ গুণ অদু অদুক্কী মতিক ফোংদোকপা ঙম্বনি । ব্রজগোপীশিংগী গুন্না শ্রীকৃষ্ণবু কযামুক য়াম্না পেলহনবা ঙম্নগ হাঙ্গবদা এহাক্কী রাশক ফাওবা থুগাইবা ঙম্না পেলহন্নী, মাগী বাশক্তি অসিনি, "কৃষ্ণগী মমাংঙদগী রাশক অমা লৈখি । মীনা নীংবা অদুম্না যাম্ন নীই হাঙ্গখি । গোপীনা না জবদদি রাশক অদু কাঙ্গখি । ১ । ৪ । ১৫০ —৫১" 'ন পারয়েহহং নিরবদ্য সংযুজাং" নচিংবা (ভা, ১০ । ৩২ । ২২) শ্লোকা সর্ব্বশক্তিমান শ্রীকৃষ্ণ মশামরা হ ঙ্গখি, মশুদি গোপীশিংগী সেবা অসিগী মান্নবা মতং অমা হনবা ঙ. দ, অদুন মতম পুম্নমক্কা এথে ঙ্গী মথা পোনবা য়াদ্রে । মরম পুম্নমক অসিনা হাঙ্গখিবনি, "চান্নবীশিংগী মংংদা গোপীনা মরুনি" । ১ । ৪ । ৬৪ ।।' গোপীশিংগী মসু দা বাংনা অথোইবীনি । রূপগুণ লাইবক ফবদা প্রেমদা পুইগী মকোক্নি ।। ১ । ৭ । ১৭৫ ।। সর্বগোপীষু সৈবৈকা বিষ্ণোরত্যন্তবল্লভা । ল, ভা উ. ৪০ ।।" নিংখিজবদা, মাধুর্যদা, হৈশিংবদা শিরাধিকান কৃষ্ণগী চান্নবী পুম্নমক্কী মকোক্নি । 'দেবী কৃষ্ণময়ী প্রোক্তা রাধিকা পরদেবতা । সর্ব্বলক্ষ্মীময়ী সর্ব্বকান্তিঃ সম্মোহিনী পরা ।। ১ । ৪ । ১৩ শ্লোক ।।" অনন্ত গুণ শ্রীরাধার পঁচিশ প্রধান । যেই গুণের বশ হয় কৃষ্ণ ভগবান । ১ ২৩ ৪৭ ' শ্রীরাধাগী প্রেম অসি কয়া য়াম্না য়াংশ্রবাগ হাঙ্গবদা, প্রেম অদুনা, সম্পুং ফ না মু চাইনপা পূর্ণতত্ত্ব স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণ ফাওবদা ওাংহল্লী, স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গখি — শ্রীতেন্দ রস পুম্নমক লৈযম্নি ।। শ্রীদি চিন্ময় পূর্ণতত্বনি মুংঙাইবা পোক্কম্নি । রাধাগী—প্রেম ত না ঐবু ওাওহনগী ওয়ান ।। রাধাগী প্রেম কয়া য়াম্না কনবা খঙবা ওমদে । শক্তিহুনা ঐবু ওাংহন্দনা জ্ঞান হাহল্ল ।। রাধা— প্রেম্না - গুরুনি, ঐনা জগোই শিষ্যনি । ওবনা নবু ততকপা ।

গৌর-কৃপা টীকা

জগোই শাহনবনি ।। ১।৪।১০৭—১০৭ ।" শ্রীরাধিকাতে নাযিকোচিত গুণ সমূহের পূর্ণতম্ বিকাশ, মরম অদুনা "রাধা ঠাকুরানীনা নাযিকাগী মকোক্তি—।। ২।২৩।৪৫।।"

মথক্কী হাঙ্গৈৎরিবা রা মরাম অসিদগী খঙবা ওম্মী, অচম্বা (প্রাকৃত) জগৎকী বাদি যাম্মা লাপথরবা রানি, অচম্বা নত্তবা (অপ্রাকৃত) ভগবদ্ধাম পূম্নমক্তস্থ মুপী পূম্নমক্কী মস্থুংদা ব্রজগোপীশিংনা অথোইবীনি, ব্রজগোপীশিংগী মস্থুংদস্থ শ্রীরাধিকানা অথোইবীনি; অমস্থং নীপা পূম্নমক্কী মস্থুংদা ব্রজ নিংথৌগী মচা (ব্রজেন্দ্র নন্দন) শ্রীকৃষ্ণনা খুাইগী অথোইবনি। মরম অদুনা ভগবৎকী মশক পূম্নমক অমস্থং মথোয়শিংগী চান্নবীশিংগী লীলাগী মস্থুংদা গোপীশিংগা লোঙ্গননা শ্রীকৃষ্ণনা রাসলীলা শান্নবনা খুইদগী অথোইবনি—হাঙ্গৈবসি স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণমক্তা কেংদাকথি। "সন্তি যদ্যপি মে প্রাজ্যা লীলা স্তাতা মনোহরাঃ। ন হি জানে স্মৃতে রাসে মনো মে কীদৃশং ভবেৎ ।। ল, ভা, কৃ ৫৩১। ধৃত বৃহদবামনবচন।—ঐগী মথল মথা অয়াম্বা পুক্কি হুনবগী মশক ওইবা লীলা য়াম্মা লৈ, অদুম লৈত্তুনস্থ রাসলীলা নীংশিংলুরবদি ঐগী পুক্কিং অসি করিগুম্বা ভাব অমা ওল্লবকই, মাদু হাঙ্গৎকম খঙদে।" রসানাং সমূহো রাসঃ—রস পূম্নমক রাসলীলাদা চেনশিল্লী হাঙ্গৈবদি তুংঙি, মরম অদুনা রাসলীলানা খুাইদগী অথোইবনি। রাসলীলা অসিদা লক্ষ্মীগী অধিকার লৈতে (নায়ং শ্রিয়োহঙ্গনচিংবা ভা, ১।৭৭।৬০।।), দ্বারকাগী—ইবেম্মাশিংগী অধিকার লৈবগী রাস্থ তাদে; শ্রীরাধিকা অমস্থং মহাক্কী কাযব্যূহ ওইবা (লেঙ্গৈনবী ওইবা) ব্রজদেবী-শিংতনা রাসলীলা অসিগী অধিকার'ন (রাসলীলা'সি কৃষ্ণনা তসেংনা পামজবনি। রাসলীলা পান্নবদি রাধিকানা উপাযনি।। ২।৮।৮৫।।)। নিংথিজবা-মাধুর্য্য-হৈশিংব-নচিংবদা মুপী পূম্নমক্কী মকোক নিত্যকিশোরীনা গোপীশিংগা লোঙ্গননা, নীপা পূম্নমক্কী মকোক নিত্যকিশোর ব্রজ-নিংথৌগী মচাগা রস লীলা শান্নবদা, শাংবা পূম্নমক অঙকৃপা ফংনা ফোংদোকই অমস্থং রস পূম্নমক্কী অঙকৃপা অদু য়েথাই-থিনগাইবা লৈতনা মপূং ফানা ফোংদোকপা ওম্মী, মরম অসিনা কৈশোরগী চহি মতাংনা শ্রীকৃষ্ণদা চংজদুনা রাসলীলা শান্নবা অসিতদা মপূংফানা মহয যানবা ফংবা ওম্মী, অতোপ্পা লীলাদা চংজরুবনদি নাযক-নায়িকা অনিমক্কা মস্থুংদা রূপ-গুণ-হৈশিংবনাচিংবা অদু মপূং ফানা ফোংদোকপা ঙমদে (অচম্বা পাখং-লৈশাবীগী নায়ক-নায়িকাগী বাদি যাম্মা লাম্মা রানি। রাস লীলা নত্তবা অতোপ্পা লীলাদা ব্রজগোপীশিংগী মতৌগুম্বী মুপীরস্থ কোটী কোটীগা লোঙ্গননা মতম অমতদা চপ মান্ননা উননা ঙমদে হাঙ্গৈদুনা কৈশোরগী থৌবাংবা অদু মপূংফানা মহয় য়ানবা ঙমদে। মরম অসিনা রাসলীলা অসিতদা কৈশোরগী মথল পূম্নমক্কী মপূংফানা মহয় য়ানবা ওম্মী।

গৌর-কৃপা-টীকা

নায়কী মনুংদা ধীর-ললিত নায়কা অথোইবনি (হৈ-শিংবা, তনৌ-তনৌবা, নোকনবা নিংঙাইদবা অমসুং লৈতবা নায়কপু ধীর-ললিত কৌই ; ধীর ললিত নায়কি চানবীনা হাঈবা ইনগনী)। অদুগা নায়িকাশিংগী মনুংদা স্বাধীন ভর্তৃকা নায়িকানা অথোইবীনি)। { মবুংঙো (কান্ত) না মহাক্কী মথা পোন্দুনা মতম লৈবা খিবিক্তা মনাক্তা লৈ, অদুম ওইবা নায়িকা অদুবু স্বাধীন ভর্তৃকা কৌই }। মরমদি, অসিগুম্বা নায়ক-নায়িকা অসিগী মফমদা কৈশোরনা পুক্লিং তাজে, মনিং থুংজে অমসুং তৎনবা লৈতনা কাঙনবা লৈতনা তিন্নবা লৈবা ভম্মী (রস ৬৪ শুবা—নায়িকানি)। মতুংগী শ্লোক অনিশুবদা য়াওরিবা "বাচা-সূচিত শর্ব্বরী" নচিংবা কুঞ্জদা শান্নবগী মরম ওইবা শ্রোক্তা শ্রীরাধাগোবিন্দনা মনিংতম্না শান্নবগী খুদম উৎভুনা কৈশোরনা মনিংতম্না শান্নবদা মহুম য়ানবা উহল্লী।

কাম—রাসনচিংবা লীলানা শ্রীকৃষ্ণনা কামসু মহয় য়ালহল্লী। কামগী অর্থদি মুংঙাইবা ফংবা হাঈবনি ; মুংঙাইবগী খ্বাইদগী য়াংবা থাক্ য়ৌবা ভম্বা মফম অদুদা কামসু মপুং ফানা মহয় য়ানবা ভম্মী।। জগৎকী অচম্বা (প্রাকৃত) কাম্ অসিদি শাগী শাজৎকুন্দনি ; মাদুদা মুংঙাই হাঈনা খল্লিবা অদুসু অরাবনা থনবনি হাঈবদি মমৈদা য়ান্না অরাবগী মশক ওই। অচম্বা জগৎ অসিদা কনাগীসু নীংবা পূন্নমব থুংবা লৈতে ; মুংঙাইবা খজিংবু লৈবা অদুসু, চপচানা চাবা ভম্নবগী পাঙ্গলসু অচম্বা জীবদা লৈতে—মবমদি, অচম্বা জীবদি চাবদা অরোইবা নাই হাঈবদি অথনবা নাই। মবম অসিনা অচম্বা জগংকী, অরাবনা থল্লবা মুংঙাইবা খজিংবু অসি ফংলুবদা কনাগীসু কাম্ হায়বদি মুংঙাইবা ফংবা, অদু মহয় য়ানবা ভমদে। অচম্বা নত্তবা লাইরবাকী (অপ্রাকৃত ভগবদ্ধামগী) লীলাদা মুংঙাইবগী অরোইবা লৈতে অরাবগী মমি তাবা লৈতে, মরম অদুনা অদুম ওইবা মুংঙাইবগী মশক ওইবা লীলা অদুদা কাম অসিনা মহয় য়ানবা ফংবা ভম্মী। লীলা পূন্নমক অদুগী মনুংদসু অদুম ওইবা লীলা অদুদা কায়া খ্বাইদগী হেন্না মহয় য়ানজবা ভম্মী। রাস-লীলাতনা শ্রীকৃষ্ণগী পুক্লিংবু খ্বাইদগী হেন্না পেলহনবা ভম্মী ; অদুম ওইবা রাস-লীলা অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা অভক-অভকপা রস পূমশিংথৌবা ভমদনা মনিং তম্না চারি ; মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণদা চংজরগা রাসনচিংবা লীলাদা কাম কৌবন মপুংফানা মহয় য়ানবা ফংঙী।

অমদি—মুপী-নীপা লৈমিন্ননীংবগী অপাম্বা অদু কাম কৌই। মহৈ-মহৈ মুংশিনজুনা রূপ-গুণ-চংখোনবা পাখং-লৈশাবীগী রাখদা হংগোইবা লৈতনা লৈমিন্নবদা কাম কৌবনা মহয় য়ানবা (মুংঙাইবা) ফংঙী, রুপিগুম্বা লৈমিন্নবা মতুদা কান অদুনা মবেং

গৌর-কৃপা টীকা

তাদতুনা অমুম অমুম মুংঙাইবা হেনগংলবদি অতুগা অচম্বা নায়ক-নায়িকাদা চংলুরগা কাম অসিনা মুংঙাইবা ওমদে, অহোইনতুম ময়েং তারকই। পৈশা ১০০ লৈরম্বদগী ২০০ শুরবদি চাওখংলকপা কৌই। ১০০ লৈরম্বদগী ১০ দ। মঙাইরবদি চাওখংপা কৌদে ময়েং তাবা যাওব' কৌ"। অচম্বা জীবদা লৈরিবা ধাতু অসিদা কামনা চংজে; ধাতু অসিনা ময়েং তাবদা কামসু ময়েং তারবই। অনিশুবদা:—, অচম্বা জীবদি ফিবম অহোংবা নাই হাঙ্গীতুনা হকচাংনা চাবা য়াবগী ফিবম অসি কুইনা মতম শাংনা লৈতে; মরম অতুনা কাম-না অচম্বা জীবগা তিন্নরগা মুংঙাইবা হেনগংপা ওমদে, অতুনা মহয় য়ানবসু ফংবা ওমদে; অহোইনতুম অমোংপা ফত্তবনা থল্লবা হকচাংগা মরী লৈরুনবদগী মাঙসিল্লকই।

কাম কৌবনা শ্রীকৃষ্ণদা চংজরগা আনন্দ—চিন্ময়-রসনা ওাল্লিবী—ব্রজদেবীশিংগা সঙ্গ ওইনাংবা কোংদোকই। ব্রজদেবীশিংদি শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-শক্তি হ্লাদিনীনা কোংদোল্লকপা (ওইবকপা) মূর্তিনি। কাম কৌবনা সচ্চিদানন্দবিগ্রহ শ্রীকৃষ্ণ অমসুং মহাক্কী মুংঙাইবা পীবা ওৎপা শক্তিগী লৈকম—দেবীশিংগী মকমদা চংজরগা মাগী স্বভাব মরমচং (কামগী স্বভাব) অতু ফজরকই, চুমকই—অতুগা অচম্বা জগৎতা কাম্না চংজবদা জগৎনা মশাগী মুংঙাইনবগীদমক কাম্ব, ঙাওহল্লী; তৌইগুমসুং মশাগী মুংঙাইবা পামজবওনি, মহক্না (জগৎনা) কৈদৌঙৈদসু মুংঙাইবদি ফংবা ওমদে। মরম অতুনা অচম্বা জগৎতা কাম্না মহয় য়ানবা ওমদে, অহোইনতুম ফত্তবা সঙ্গ—তিন্নরুবা মরম্না (মশাগী মুংঙাইনবতা থনবা কাংবুগা সম্পর্ক ওইকবনা) মোংপা হেজিল্লকই, পাপ চংলকই। অতুগা মুংঙাইবগী মত্তি শ্রীকৃষ্ণ অমসুং মহাক্না মুংঙাইবা পীরিবা শক্তিগা তিন্নরগা কাম্না মখোয়গী অতুগা মশা গমতা ওইনা তিংখি মতম অতুদদি মুংঙাইবা ফংননবগীদমক কোহখি—থিদবে; মুংঙাইবা অতু দান তৌথোক্লবগীদমক লাংতক্নরে মাতু-পাংথোক্লবগীদমক মাগী (কামগী) চংজকম-নপচকম ওইরিবীশিং অতুগী য়াথন-পুক্রিং অতু শ্রীকৃষ্ণগী মুংঙাইনবগীদমক থনবদা পোথাহল্লে। ফত্তবা মী অতু অফবা মীগা সঙ্গ তৌরগা অফবা ওইরকই। শ্রীকৃষ্ণ অমসুং ব্রজদেবী-শিংদা চংজবদা কাম্না মশা শোংবা লুবা ওন্মী অমসুং মহয় য়ানবা ফংনবগী থুদোংচাবা ফংই। মনমদি শ্রীকৃষ্ণগী মুংঙাইনবগীদমক লাংতক্নবা অতু, মহাকপু মুংঙাইনবা হোৎনবা অতু, মাতুনা মহৌশা ওইতুনা লৈথরে। কাম হাঙ্গবা অসিনা শ্রীকৃষ্ণদা চংজরগা ব্রজদেবীশিংগা লোঈননা শাম্ননীংবগী খৌরাংবা পোকহল্লী শ্রীকৃষ্ণগী থমোইদা—ব্রজগোপীশিংগী মুংঙাইনবগীদমক; মুংঙাইনবা হোৎনবা হাঙ্গবসি শ্রীকৃষ্ণগী মহৌশাগী চুঙবা য়াথল ওইখরে; অতুগা ব্রজদেবীশিংদা চংজরগা—শ্রীকৃষ্ণগী মুংঙাইনবগীদমক মখোয়গী থমোইদা শ্রীকৃষ্ণ—সেবাগী খৌরাংবা

গৌর-কৃপা টীকা

মখোয়দি (ব্রজদেবীশিংদি) নুংঙাইব-পীনবিরিবী-শক্তিতি, মখোয়না মনিং-মথা তৌনা খুশীনা শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইহনবা ওন্মী ; অদুগা শ্রীকৃষ্ণসু নুংঙাইবগী মুত্তিমান্নি—রসকী মশক্নি ; ইবুংঙো মহাকসু মনিং-মথা তৌনা ব্রজদেবীশিংবু নুংঙাইহনবা ওন্মী। মতৌ অসিদগী শ্রীরাধা-গোবিন্দ অনি অসিদা চংজরগা কায়া মশাগী মহয় য়ানবা ফংনবগী খুদোংচাবা ফংই। থাজৈশেংবদি, ব্রজদেবীশিংসু শ্রীকৃষ্ণসু অমগা অমগা তিন্নবগীদমক মহৌশানা নীংনৈ—মাহু কামগী থবক্না তৌবা নত্তে—মখোয়দি অমগা অমগা নুংশিনৈ, নুংশিনবা অদু মখোয়গী থবক্নি বাথনগী মন্নানি। বাৎসল্য রসকী ভক্তশিংগী—মরমদা শ্রীকৃষ্ণনা নুংশিবা অদু, নুংশিবা অদুমক্তগী গুন্না ঐশ্বর্য্য পূম্নমক্কী মপু ওইরবসু শ্রীকৃষ্ণনা মাথন-শংগোম হুন্নাল্লী, কান্না থল্লবসু মাগী মমাগী অমৃত (খোম) থক্লিংবা পোকই, অদুগা শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা বাৎসল্য প্রেমগী গুন্না পুর্ণকাম (কান্না থল্লবা) শ্রীকৃষ্ণবু মমা-যশোদানা খোম ইনবিনীংবগী বাথন পোকই--অদুগুমদুনা চান্নবীশিংগী মরমদা প্রেমগী গুন্না, আত্মারাম ওইরবসু চান্নবীশিংগা শান্নবগীদমক শ্রীকৃষ্ণদা খোন্নাংবা পোকই অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা মধুর প্রেমগী গুন্না মশাগী হকচাং কখোক্তুনা আত্মারাম শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইনবগীদমক ব্রজদেবীশিংদা খোন্নাংবা পোকই। পূম্নমক অসি নুংশিবগী থবক্নি -কামগী থবক নত্তে ; শ্রীকৃষ্ণ অমসুং ব্রজদেবী-শিংগী হকচাং (বিগ্রহ) দা চংজদুনা কামসু নুংশিবা অদুদা য়াওবা ওমজরে অমসুং নুংশিবা অদুগা আত্মা অমতা ওইদুনা মশাগী মহয় য়ানজবা (কান্নবা) ফংজরে। নুংশিবা অসিদি নিত্যনি অরেপ্পনি অমসুং মিকুপ-খুদিংগী নৌদুনতা লৈ হাঙ্গদুনা কৈদৌঙৈদসু ময়েং তাবা লৈতরে, অহোইনদুম অসুম অসুম নৌবা হেনগৎলক্তুনা লৈ ; মরম অসিনা নুংশিব অসিদা চংজরক্লিবা অমসুং মাগা আত্মা অমতা ওইদুনা তিল্লরিবা কাম অদুসু করিগুম্বদসু কৈদৌঙৈদসু ময়েং তাবা লৈত্রে, অহোইনদুম অসুম অসুম চাৎখংলকই অমহিকসুং, কাম হাঙ্গবা অসিদি কৈশোরগী মওংনি-লমচৎনি ; অদুনা কৈশোরনা মহয় য়ানবা ওগ্না মফমদা কামসু মহয় য়ানব ওন্মী। শ্রীকৃষ্ণগী রাসনচিংব লীলা থিবিক্কী খোরম অদুদ কৈশোরগী মতাংনা মহয় য়ানথিবা অদুদ', কামসু খৌনাশিং অদুগা লোঈননা মহয় য়ানব ফংই। মরম অদুনা হাঙ্গজরিবা অসিনি, রাসনচিংবা লীলানা কাম্বু তশেংনা মহয় য়ানবা ফংহল্লী। অমদি শ্রীমদ্ভাগবতসারগী লামাই ৬০৫ দ অস্তম্ন' ইরি :—পরীক্ষিত নিংথৌগী রাহং:—শ্রীকৃষ্ণ কি কারণে পীড়িত মদনে ? শ্রীশুকদেব মুনিগী পাওখুম :—ভক্তেরে দেখাতে লীলা দমিতে মদনে।

গোর-কৃপা টীকা

করিলেন রাস লীলা হরি বৃন্দাবনে ।।
রাসের লীলার এই নিগূঢ় কারণ ।
যে রাজন নাহি ইহা বুঝে মূঢ়জন ।।

অর্থ অশঙ্বা মচং—শ্রীশুকদেব মুনিন। পরীক্ষিত নিংথৌগী মফমদা হাঙ্গৈথি—মহারাজ! জগৎতা লৈরিবা ভক্তশিং অসিনা মায়া কাপ্তক্লাকশিনবা ওয়নবগীদমক, শ্রীকৃষ্ণনা বৃন্দাবনদা রাসলীলা শাগ্নহুনা উহল্লীবনি। রাসলীলাগী মঙ্গুংগী অথুপা অর্থ অসি জ্ঞান লৈতবা মীশিংনা খঙবা ঙমদে। অসিনচিংবা।। রাস-লীলাগী মরমদা হায়ী-লীরিবা মীদি শ্রীশুকদেব মুনিনি, তারিবা মীনা শিগদবা মুমিং তরেংনিদা ঙাইরবা নিংথৌ পরীক্ষিতনি অমসুং ব্যাস—পরাশরনচিংবা দেবর্ষি, মহর্ষিরাজর্ষি, ব্রহ্মর্ষি য়াওরবা মী লিশিং চামনা তারীবনি মফম অসিদা কাম-ক্রীড়াগী (অচম্বা মায়া সংসারগী) হায়ী ওইবা য়াব্রা? (৩। ১৮। ৭৯। চৈ ; চঃ)। শ্রীকৃষ্ণ ফংননবগী লপ্নেন্নি হাঙ্গৈহুনা ময়াম্না তান্নরিবনি। শ্রীগৌরাঙ্গ ইবুংঙোম্ন শ্রীকৃষ্ণ ফংনীংহুনা বিষ্ণুপ্রিয়া, মমা শশী অমসুং মিংচং ফজবা পুম্নমক থাদোক্তুনা লপ্নোইশ্রবনি। অসিগুম্বা শ্রীকৃষ্ণ ফংননবগী লপ্নেন ওইবা 'রাস' অসিবু অকামপেং ওইবা য়াব্রা? পুকচেন শেংদবা মীনা খনবা রথন্দি অমাংবা ঙাক্তা খল্লা অমসুং ফজবা ঙাকা থোরকনি। (৩। ১৮। ৭৯ চৈঃ চঃ)। অমসুং জগৎপু—জগৎ পুম্নমকপু, বিধাতানা শেম্মিবা পুম্নমকপু। শ্রীবৃন্দাবনগা রাসনচিংবা লীলা খিবিক্লা বিধাতাগী সৃষ্টিজগৎ অসিবু মহয় য়ালহল্লী।

জীবনা জগৎ অসিদা মুংঙাইবা পম্মী ; জগংতা অংক—অঙকপা শেম্মিবা অসি জীবগীদমাক ; অঙক—অঙকপা পোং শেম্বা অসিনা, জগত্তা লৈরিবা মীনা মুংঙাইবা ওইরগা, শেমবগী মহয় য়ানবা ওইরে। বিধাতানা পৃথিবী শেম্মিবসি মহৌশানা জগংকী জীবশিংগী মুংঙাইনবগা মচাক্নি। তৌইগুসুং জীবগী মশক্তি পিকই ; জীবদা ফজবনা তৃংহুনা লৈরম্বা পিকই (কুইদে), ফজবা অদু চাননবগী (শিজিন্ননবগী) শক্তিসু পিকই ; মরম অসিনা শেন্নদ্রিবা অঙকপাশিং অসি জীবনা নিংথিজনা শিজিন্নবা ঙমদরে। বিধতাগী অঙকপা সৃষ্টি অসি অচম্বা জীবগী মথুংতা তাবা অসিদা থৌওইবিদরে অমসুং থৌশাবিদরে। শ্রীরাধাগোবিন্দগী লৈফম লাইবৈবাক্রা অপ্রাকৃত ভগদ্ধাম্না, হৌজিক মিংনা উরিবা পৃথিবীদা লেরে হাঙ্গৈনা ফোংদোক্লবা মতম অসিদা, বিধাতান অহানবদা শেম্বা পৃথিবী অসি, শ্রীকৃষ্ণগী লীলা শাগ্নকম্না ফোংদোরক্তুনা শোকপিন্দা লাইবককবা অমসুং মহয় য়ানবা হাঙ্গৈবা অদু ওইরে ;

তথাহি বিষ্ণুপুরাণে (৫।১৩।৫৯)—
সোহপি কৈশোরকবয়ো মানয়ন্ মধুসূদনঃ।
রেমে স্ত্রীরত্ন কূটস্থঃ ক্ষপাসু ক্ষপিতাহিতঃ॥ ১৫॥

গৌর-কৃপা টীকা

অতুগা রাসনচিংবা লীলাদা, বিধাতান শেম্ন শাবদ-পূর্ণিম ক্ষাবাগী রাহৈনা চংজরিবা অহিং পুম্নমব, মগাইন শাৎলব মল্লিকানচিংবা মহৈ-মবোং মপাম্ন মব ই লুকথববা শ্রীবৃন্দাবনগী উ-পাম্নি পৃুম্নমক, হৈ-লৈনা থম্না শাৎলবা কুঞ্জ পুম্নমক—অসিনচিংবা বিধাতান শেম্নম্বা কজরবা পোং মচক লৈরম্বা পুম্নমক অসি অপ্রাকৃত ভগবদ্ধাম্না (লাই-বৈবাক্ত) শোকপিবদা পম্নমক অসি স্পর্শমণি (য়াং, নীংবা থু হনব ঙম্ব য়াই) গী মতৌগুম্না চিন্ময় ওইরদুন শ্রীকৃষ্ণনা অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী পরিকরনা য়াম্ন লুন ব্যবহার তৌরে, মখোঙ্গী রাসলীলাগী-পাৎচং মচাক ওইনা শিজিংরে। শ্রীকৃষ্ণ রসিক শেখর, ব্রজ-দেবীশিং রসিক শিরোমণি, মখোঙ্গী লীলাগী মচাক ওইন শিজিংখিবসিদ বিধাতান শেমজবগী মুংওইব অতু অঙকপা ফংন মহয যাম্নে মুঙাইবা ফংলে, মাসি হাঙ্গদোকপদ মমল যাম্ব বানি।

শ্লোক। ১৫। অন্বয়। ক্ষপিতাহিতঃ। (ফংবব মাঙহন্নবা) স মধুসূদন (অদুম ওইব মধুসূদন—শ্রীকৃষ্ণ) অপি (অমসুং) কৈশোরক—বয়ো (কেনীংবা খঙলব্রব চহি মতাংবু) মানয়ন (হকাই থুম্নদুনা, মহৈ-য়ালহন্দুন) স্ত্রীরত্ন—কূটস্থং (নুপী রত্নগী মনুংদা লৈদুন) ক্ষপাসু (অহিং পুম্নমকতা) রেমে (শানখি)।

অনুবাদ। মাঙহল্লিব অদুম ওইবা মধুসূদন শ্রীকৃষ্ণনু কেনীংবা খঙলব্রবা চহি মতাংবু (কৈশোরবু) মহয য়ালহন্দুনা নুপীরত্ন পুম্নমক (গোপীশিংগা) মনুংদা লৈদুনা অহিং পুম্নমকতা রাস শান্নখি। ১৫।

বিষ্ণুপুরাণগী রাস বর্ণন (শিংথাবা) তোব অদুগী শ্লোক অসি শন্দোকপনি। শ্রীকৃষ্ণগী রাস-লীলানা কৈশোরবু অমসুং জগৎপু মহয যালহল্লী হাঙ্গনদু শ্লোক অসিনা উহল্লী। কৈশোরক বয়ঃ কৈশোরগী চহি। মানয়ন—ইকাইথুম্নদনা (কৈশোর চহিবু) কনাগুম্বা অমনা মী অমগী অপাম্বা অতু পীবিদুনা মাবু পেলহনব অদু মাবু ইকাইথুম্নবা (সম্মান) উৎপনি। কৈশোরগী চহি মতাংনা পাম্নিব অসি চাম্নবীশিংগা মুংঙ ইনা লোঈনবা অহবুনি ; শ্রীকৃষ্ণনা মাগী কৈশোরগী চহি মতাংবু চাম্নবীশিংগা মুংঙাইনা লোইনবা অহ

গৌর-কৃপা-টীকা

কোংদোক্না দান তৌই হাঙ্গবদি কৈশোরদা মহাক্না চাম্নবীশিংগা লোঙ্গনবদা মুংঙাইবা অতুগা অঙকপা ময়াম অতু চাহ্না মহাক্কী কৈশোরগী চহি মতাং অতুবু মহয় য়ালহল্লী। কল্লি উপায়না মহাক্না অঙকপা মুংঙাইবা অতু চাখিবগে—রেমে, স্ত্রীরত্নকূটস্থঃ, ক্ষপাসু মধুসূদন অমসুং অপি-শব্দ পুম্নমক অসিনা খঙহল্লী। রেমে—শ্রীকৃষ্ণনা শাম্নখি; মথক্কী শ্লোক পুম্নমক্কগী খঙবা ওম্মী—মফম অমসুং মতম অনি অসিদা শাম্নবগী খুদোংচাবা ওইখি—শরৎকাল, অশেংবা আকাশ, মাতুদা পূর্ণিমা ওইবা, পুক্নিং হুরবা উরী-রারী উপাম্বী, উসাদা লৈনা ফজনা শাংপা, পুখ্রিদা থম্বান ময়াম্না কেবা, অশাংপা লৈনা থল্লবা বোন (বন) অ.সুং ফজরবা-ল্‌রবা পুখ্রিগী মথক্তা লুপা মহিনা ঈথক কাহ্না চেনবগুম্না থাবন্না ঙানবা, তপ্না তপ্না শিংপা মুংশিংনা মনম-মুংশিবা হৈনম-লৈনম পুহ্না মাইকৈ পুম্নমক্তা পোংথাদনা য়েনবা, লৈহি পাম্বা খোইমু শঙ্গ, শঙ্গল্না তপ্না-তপ্না ঙুং ঙুং ঙংহ্না নাকোংদা অমৃত খিকপা; পুম্নমক অসিগী মাধুর্য্যনা (নিংথিজবনা) শ্রীকৃষ্ণগী থম্মোইদা ফাওরক্লুনা ব্রজগোপীশিংগা লোঙ্গনা রাস শাম্ননীংবগী অপাম্বা অমা পোক্লক্লে, মেঙলবা বাঁশীগী খোঙ্গেন্না মহাক্না গোপগী ফজবীশিংবু কৌরে, মখোয়না লাক্লুনা থুংলরে—প্রেম্না ঙাওরবগী ফিবমদা। ব্রজগোপীশিংগী ফজবগী চাংদম্নীংঙাই লৈতে—থাগী মঙান, স্বর্গগী অমৃত, থম্বান্না নোক্পা—পুম্নমক অসি মখোয়গী নিংথিজর্বা মাধুর্য্যগী মথা পোনবা ঙাক্তনি। মাতুগী মথক্তা অমক মখোয়দি প্রেম্না ময়বীনি—বেদধর্ম, মীওইবগী ধর্ম; ইমুংগী মী অহল-লমনগী চক্নী (য়াথং) পুম্নমক থাদোক্লু-না শ্রীকৃষ্ণবু মুংঙাইহম্নবগী মরমদা ইফোং-ফোংনা মপুং-ফানা থরাই কৎখ্রবনি, আত্মাসমর্পণ তৌখরবনি —অসুম্না প্রেম্না ঙাওরবী নিংথিজবা মাধুর্য্যদা হাঙ্গনীংঙাই লৈত্রবী গোপ-কিশোরী অসি অমতা নত্তে, অনিদা নত্তে, তরাদা নত্তে, কুন্দা নত্তে—চাম-চামা লিশিং-লিশিং, কোটি-কোটিনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবাগীদমক লেপখ্রবনি। অনন্ত (মশিং থীবা ঙমদবা) গোপীনা কান্তারসকী অনন্ত অঙকপনা শাংকাইরক্লুনা শ্রীকৃষ্ণবু পেলহম্নবগীদমক কুঞ্জদা থুংলৈ। অসুম ওইবা মুপীরত্ন পুম্নমক অসিনা কোঙ্গসিন্না (স্ত্রীরত্নকূটস্থঃ) শ্রীকৃষ্ণ না মখোয়গা লোঙ্গননা শাম্নহ্না কৈশোরবু মহয় য়ালহনবা হৌরকই। মধুসূদন—শ্রীকৃষ্ণনা, ফজবা-মচিনা হৈহ্না শারবা হকচাংগুম্নবা গোপগী ফজরবী পুম্নমক অসিবু কোল্ল-কোল্লহ্না মখোয়গী অধরামৃত (চিনবানগী অমৃত) লুট তৌবা হৌরকই। ক্ষপাসু—অহিং পুম্নমক্তা; অহিং অদিদা কান্তা-শিংগা লোঙ্গননা শাম্নবগী মতিকচাবা মতম ওই; অহিং অমা অনিদা নত্তে, অহিং খিক্কিক চুপ্না শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়গা লোয়ননা শাম্নখি। অপি—মধুসূদন শ্রীকৃষ্ণসু শাম্নখি। মথক্কী শ্লোক্তা হায়ব্রে, "তা বার্য্যমাণাঃ পতিভিঃ পিতৃভির্ভ্রাতৃভিস্তথা। কৃষ্ণং গোপাঙ্গনা রাত্রৌ

গৌব-ক পা-টীকা

বমযন্তি বতি প্রিযাঃ।। মপা, মচিন-মনাও অমস্ন্ং মপুবোইবশিংনা খায়বস্ন অহিংদা ব্রজদেবীশিংনা কৃষ্ণগা লোঙ্গননা শান্নবা হ্বৌবকট। বিষ্ণুপুবাণ ৫।১৩।৫৮।।"

গোপগী ফজবীশিংনা অহল-লমনগী লম্বী পুন্নমকপু থৌশাদহুনা প্রেন্না থুমহৎখিজুনা শ্রীকৃষ্ণগা লোঙ্গননা শান্নৈ, শ্রীকৃষ্ণস্নু মতৌ অচুগুম্না অহল-লমনগী লম্বীনচিংবা খাদাক্তুনা গোপগী ফজবীশিংগা লোঙ্গননা শান্নৈ। গোপগী ফজবীশিংদি পবকীযা পত্নীনি. ১।৭।৭১ পযাবগী টীবাদা যেংবিযু, শ্রীকৃষ্ণদি মখোযগী মপুবোইবা নাত্তু থবাইগী মবুংঙোনি, মবম অচুনা মখোয-মশেন উননীংবা মতমদা উনগে হাঙ্গীনা হোংনবকপদা অমস্ন অমস্ন অহল লমনগী লম্বী থাদোকই—লাই-গুরুগী লম্বী থাদোক্লিবগী মবমদি মুংশিনবা (নীংনবা) চেক্ষিল্লকপদগীনি, মবম অসিদগী এজগী মৌশিংনা মপা, মচিন-মনাও, মপুবোইবা অসিনচিংবনা খান্বা অচু হিক্তাতুনা শাগৈগী ধর্ম্ম থাদাক অম • ব্রজবাজ-নন্দন শ্রীকৃষ্ণস্নু মশাগী কৌম্নাব-ধম্ম (অত্তা ইবা) থাদাতুন পবকীযা নুপীগী প্রেমগী মখাদানবা যাখি। কাম্যান্ধ স্ত অনি লোঙ্গনবদা প্রেম্না থমহং বদি লোঙ্গনবগী মুংঙাইবা অচুস্ন শিংথাবা ঙমদনা হাঙ্গনী ঙাই খঙদন নু ঙাইবা যংঙী। শ্রীকৃষ্ণগা লোঙ্গননা ব্রজগী ফজবীশিংগা তিন্ননা শান্নবদা মাতুমব থোবকই—"অনি ' নন্দী অগ মচিনি। কম্পিতাহিতঃ—মাসি মবস্যদনগী বিশেষণনি। বজগী ফজবীশিংন লোঙ্গনং বাস লীলা শান্নবদা শ্রীকৃষ্ণনা "কম্পিতাহিত ইথি—জগংবী যবদা পুন্নমক বোবহ া বাস লীলানা মাতৌ কবয় সংকী থংব বোকহনবাগ

পাউখুম—জগংবী যন্দব হাঙ্গীববু শ্রীকৃষ্ণবু পাজদবা অসিনি। "শ্রীকৃষ্ণবু বাজদ্রবাদ জীব অচুনা মাব স সাবগী অবাবা নংহনা মাযানা। ১।২।১০৭ ॥ ভয়ং দ্বিতীযাভিনিবেশতঃ স্যদীশাদপেতস্য বিপর্য্যয়োহস্মৃতিঃ। তন্মায়যাতো বুধ আভজেৎ ভক্ত্যৈকয়েশং গুরুদেব-তাত্মা। শ্রীভা. ১১।২।৩৭ ॥—মাযাব পামতুনা ঈশ্বরদগী মাঙ্গ ওয়াকবা দীবন মশা। হ্বৌবকফম মশক কাউথবে অমস্নং মাতুনা হবচাংবু আম্নানি লাইব হাঙ্গনা নীখ্র, হবচাং, ইন্দ্রিনচিংবা অসি, মাযাদা চঙখববদি অবিবা পোকই। মবম অসিনা অশিব মীশিংনা গুরুব লাইনি হাঙ্গনা থন্দনা মুংশিবা হাপ্নগা ভক্তিগ লোঙ্গননা আখাইবা ঈশ্ববু নীংনৈ। মবম অচুনা শ্রীকৃষ্ণবু কাউদবা হাঙ্গবা অসিনা জীবন অণাবা বোব্লনবগী মন্ত্র ওইবা পাদৈনি—অমস্নং শ্রীমদ্ভাগবতকী শ্লোকগী খঙবা ওস্নী—শ্রীকৃষ্ণব নংবগা কাউদব ওস্নী। শ্রীকৃষ্ণবু নীবা পামজববা মী অচুদি শ্রীকৃষ্ণগী লাগী বাণী তাবগী

ভক্তিরসামৃতসিন্ধৌ, দক্ষিণ বিভাগে, ১ম লহর্য্যাম্ (১২৪)
বাচা সূচিত শর্ব্বরীরতিকলা প্রাগলভ্যয়া রাধিকাং
ব্রীড়াকুঞ্চিতলোচনাং বিরচয়ন্নগ্রে সখীনামসৌ।
তদ্বক্ষোরুহচিত্রকেলিমকরীপাণ্ডিত্যপারং গতঃ
কৈশোরং সফলীকরোতি কলয়ন কুঞ্জে বিহারং হরিঃ॥১৬

গৌর-কৃপা-টীকা

দয়কশ্ন ওই। সাধুগী মচিন্দগী শ্রীকৃষ্ণগী রাবী মগুন তাজবগা শ্রীকৃষ্ণদা নোংম-নোংমগী থাজবা অপাম্বা হুংশিবা পোক্লকই। "সতাং প্রসঙ্গান্মমবীর্য্যসংবিদো ভবতি হৃৎকর্ণরসায়নাঃ কথাঃ। তজ্জোষণাদাশ্বপবর্গবর্ত্মনি শ্রদ্ধারতির্ভক্তিরনুক্রমিষ্যতি॥ ভা ৩।২৫।২৫॥" থোইদোকপা অমদি অতুম ওইবা মী অহনা রাস-লীলা অসিবু যাম্না পুক্কিং চংনা কীর্ত্তন (পাবা শকপা) তৌজরবা অমদি তাজববদি মী অতুগী অরাবা পূন্নমকী মরম থমোইগী অনাবা অদু যাম্না থুনা কোকই অমসুং যাম্না থুনা ভগবান্দা অচেংপা ভক্তি ফংঙী। "বিক্রীড়িতং ব্রজবধূভিরিদঞ্চ বিষ্ণোঃ শ্রদ্ধান্বিতোঽনুশৃনুযাদথ বর্ণয়েদ যঃ। ভক্তিং পরাং ভগবতি প্রতিলভ্য কামং হৃদ্রোগমাশ্ব—পহিনোত্যচিরেণ ধীরঃ॥ ভা, ১০।৩৩।৩৯॥" থাক্পশেংবমক শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজদা লীলা মযাম পুথোক্লম্লিবা অসি জীবনা মাদু তাজবা পামজৈ অমসুং মাদু তাজরগা জীবনা ভগবৎতা মাইওনসিনবা ঙম্মী। "অনুগ্রহায ভক্তানাং মানুষং দেহমাশ্রিতঃ। ভজতে তাদৃশীঃ ক্রীড়াঃ যাঃ শ্রুত্বা তৎপরো ভবেৎ॥ ভা, ১০।৩৩।৩৬॥" মবম অসিনা রাসনচিংবা লীলানা জগৎকী ফত্তবা পূন্নমক মাঙননবগী অচুম্বা লম্বী ওইবি, মসিদা কবিস্থ চিংনগীংঙাই লৈতে।

লাই পূন্নমকী-থোরকফম মদু ওইরিবা শ্রীকৃষ্ণগী মনাক্তা গোপীশিংনা থুমলরবদা, গোপী মশিংগা মশিং চপমান্ননা মূর্ত্তি মযাম অমা পুথোক্নুনা মথোয় থুদিংমক্তা মতম অমত্তদা চপমান্ননা শাম্লথি।

শ্লো। ১৬। অন্বয় : সখীনাং (সখীশিংগী) অগ্রে (মমাংদা) সূচিত-শর্ব্বরী-রতিকলা-প্রগলভ্যযা (অহিংগী মতমদা শান্নবদা হৈ-শিংবা অদু ফোংদোক্লুনা) বাচা (ৱাহৈনা) রাধিকাং (শ্রীরাধিকাবু) ব্রীডাকুঞ্চিত-লোচনাং (ইকাইথিদুনা মমিং উইশিল্লিজৈদা) বিরচয়ন (শেমদুনা) তদ্বক্ষোরুহ চিত্রকেলিমকরী পাণ্ডিত্য-পারং {মাগী থবাক্তা লাই-য়েকপদা (য়েক-থোংপদা) য়াম্না পণ্ডিত ওইবা অদু} গতঃ ফংই) অসৌ (অদুগুম্বা) হরি (শ্রীকৃষ্ণনা) কুঞ্জে (কুঞ্জদা) বিহরং কলয়ন (শান্নবদা) কৈশোরং (কৈশোরগী চহি মতাংবু) সফলীকরোতি (মহৈ য়াল্লহল্লী)।

গৌর-কৃপা টীকা

অনুবাদ। শ্রীকৃষ্ণনা সখীশিংগী মমাংদা অহিংগী মতমদা শান্নবদা হৈ-শিংবগী রা অদু ফাগি ওইনা ফোংদোকপদা (হাঙ্গদোক্লবদা) শ্রীরাধানা ইকাইখিত্থনা মমিং উইশিন্নি-ডৈদা মহাক্কী থবাক্তা য়েক-খোংপদা হৈ-শিংবা পণ্ডিত ওইব। অদু উংতুনা মহাক্না (শ্রীকৃষ্ণনা) কুঞ্জদা শান্নবদা কৈশোরগী চহি মতাংবু মহয় য়ালহল্লী ।১৬।

রাসনচিংবা লীলাগী অমম্ভুং কুঞ্জদা শান্নবনচিংবা লীলাগা কনাগুম্বী নম্নুংচনবী দূতি অমন্না যজ্ঞপত্নী (যজ্ঞরূপী) শিংখী মফমনা মথকী শ্লোক অসি হাঙ্গখি। শ্লোক অসিগী মর্মদি ভসিনি। করিগুম্বা মতম্দা শ্রীরাধানা কুঞ্জগী মন্নুংদা কমতুনা লৈরম্মী, ইবেম্মগী নাকন মরিদা মন্নুংচনবী সখীশিং লৈ। মতম অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা লেংশিল্লতুনা মংখাঙ্গী মরক্তা ফম্লরে; অদুদগী শ্রীরাধাগা অহিং শান্নবগী রাবী অদু ফোংদোল্লক্লে—শ্রীকৃষ্ণ মশামক্না শান্নবদা কয়া য়াম্না হৈ-শিংবা অমম্ভুং শ্রীবাধানা কয়া য়াম্না হৈ-শিংবা হাঙ্গখা অদু ফোং-দোরক্লে—পুম্নমক অসি সখীশিংগী মমাংদা কাগি ওইনা হাঙ্গদোবক্লে। মতুদা ইকাইথীবী শ্রীরাধানা ইকাইতুনা লৈফম খণ্ডরে—হঙ্গোইতুনা ইবেম্মগী মমিং ভনি অদু উইশিন্দুনা থাণ্ডলে। শ্রীকৃষ্ণনা মাতু যৌববা ফাওবদা তুমিন্না তোক্লে, শ্রীবাধানা ইকাইতুনা লৈরিডৈগী ফিবম অদুদা অমুক খুদক্তা শ্রীরাধাগী থবাক্তা মথুৎমক্না লাং য়েকপা হৌরক্লে (কস্তুরী কুঙ্কুমচিংবনা মকরীনচিংবা পুক্লিং হূনবগী মশক ওইবা লাই য়েকপা হৌবক্লে) অমম্ভুং অম্মুম্না য়েক খোংপা অসিদা খমথেংনা পণ্ডিত ওইবগী খুদম উংপা হৌবক্লে। মতৌ অসম তৌতুনা মখল-মখা অযাম্বা বস ওাক্তা ওইবা লীলাদা, শ্রীকৃষ্ণনা চান্নবীশিংগা লোঙ্গননা কুঞ্জদা শান্নবা হৌরক্লে অমম্ভুং লীলা রস পুম্নমক অসি চাতুনা মহাক্না মাগী কৈশোরগী মতাংবু মহয় যালহল্লী।

সূচিত—ফোংদোকপা। শব্ববী—অহিং। বতিকলা—শান্নদা হৈ-শিংবা। প্রাগলভ্য—হঙ্গোইবা লৈতনা হাঙ্গদোকপ, কনেম্নবা ফাগি। ব্রীডাকুঞ্চিত লোচনা-ইকাইতুনা মিংনা য়েংবা ঙমদবা। বক্ষোরুহ—থবাক্তা পোক্পা অদু, স্তন অনি। চিত্রকেলিমকবি—শান্ন-নবলীলবক থবাক্তা (স্তন অনিদা) মকরীগী (ও) মৎং য়েকপা অদু কেলি-মকরী হাঙ্গনা খণ্ডনৈ। হন্নি—থল্লাই, পুক্লিং হূন্নানবা, অদু হন্নি কৌই। শ্রীকৃষ্ণনা মশাগী কৈশোর মহয় যানবগা লোঙ্গন-লোঙ্গননা চান্নবী পুম্নমক্কী কৈশোরগী মহয য়ালহল্লী। হৈ-শিংবা, অনৌ-অনে বা, বসিক ওইবা, নোকননা, নিংঙাইদবা অকিবা লৈতবা, চান্নবীনা থুত্থম চনবা "হাকপু ধীব-ললিত" হাঙ্গনৈ, গুণ পুম্নমক অসিবু লৈবগদি ধীব-ললিত ওইবা যারে, গুণ পুম্নমক অসি লৈবগদি চান্নবীশিংগা লোঙ্গননা কেলি-শিনবা লীলা শান্নদা কৈশোরগী মতাংবু

তথাহি বিদগ্ধ মাধবে (৭'৫)

হবিবেষ ন চেদবাতরিষ্যন্মথুবায়াং মধুবাক্ষি ' রাধিকা চ।
অভবিষ্যদিয়ং বৃথা বিসৃষ্টির্মকরাঙ্কস্তুবিশেষতস্তদাত্র ॥১৭॥

এইমত পূর্ব্বে কৃষ্ণ রসের সদন।
যদ্যপি করিল রস নির্য্যাস চর্ব্বণ ॥১০২

অর্থ :—

অস্পৃম্না দ্বাপরদা কৃষ্ণদা রসকী যুম্ফম্নি।
অতুম ওইনা বসকী মচি মহাও চারিবনি॥১০২

গৌর-কৃপা-টীকা

মহয যালহনবা ওম্মী। শ্রীকৃষ্ণদি ধীব-ললিতকী গুণ চেনবা মবম্না চাম্নবীশিংগা অঙকপা অঙকপা লীলা শাম্নবদা মহাক্কী অমস্তুং চাম্নবীশিংগী) কৈশোরবু মহয যালহন্নী, মতুগী মরমদা করিস্ন টিংননীংঙাই লৈতে।

শ্লো ।১৭।অন্বয়। হে মধুরাক্ষি (হে মিংতা ফজবী বৃন্দে)। মথুবাযা° (মথুরাগী লমদা) এষ: (অসি) হরি: (শ্রীহবি শ্রীকৃষ্ণ) চ (অমস্তুং) [এষা] (অসি) রাধিকা (শ্রীরাধিকা) চেৎ (বদি) ন (নত্তবা) অবতরিষ্যৎ (অবতীর্ণ ওইবা) তদা (মাতু ওইরবদি) বিসৃষ্টি: (বিধাতাগী সৃষ্টি, বিধাতানা জগৎ শেম্নম্বা অসি) বৃথা (অবেম্বা) অভবিষ্যৎ (ওইবমগনি), অত্র (সৃষ্টিগী বিধিদা, নিম্নমদা) মকরাঙ্ক (কন্দপ, কাম) তু (তৌইগুম্বস্তুং) বিশেষত: (অতম্নবা) [বৃথা অভবিষ্যৎ] (অরেম্বা ওইবমগনি)।

অনুবাদ। দেবী পৌর্ণমাসীনা বৃন্দাদা হাঙ্গথি-হে মিংতা ফজবী বৃন্দে ' হরি অমস্তুং শ্রীরাধা অসিনা মথুবাগী লমদা (লেবাক্তা) অবতীণ (অবতার) তৌরমদ্রবদি বিধতানা (ব্রহ্মানা) জগৎ শেম্নম্নিবা অসি অবেম্বা কাম্নদবা ওইরমগদবনি, অতুগা মফম অসিদদি (শ্রীবৃন্দাবন্দদি) কন্দপ না (কামনা) অতম্নবা যাম্না মাইথীবমগদবনি।১৭॥

ইঙন পূর্ণিমা অহিংদা (শ্রাবণ পূর্ণিমা নিশিতে) শ্রীশ্রীরাধা-কৃষ্ণগী শাম্নবগী থৌবাং তৌরকপদা দেবী পৌর্ণমাসীনা বৃন্দাদেবীদা মথক্কী শ্লোক অস্পৃম্না ব্রা হাঙ্গথি। শ্লোক অসিগী অম্মদি অসিনি শ্রীরাধা অমস্তুং শ্রীকৃষ্ণনা মথুরা মণ্ডলদা (ব্রজমণ্ডলদা) অবতার তৌহুনা লীলা মখল-মথা অযাম্বা শাম্নরে, মাতুদা বিধাতাগী খুংশেম (সৃষ্টি) অসি মহয় যাম্লে-ফজরে, অতম্নবা থোইদাক-হেন্দোক্না কন্দপ না (কাম্না) মহয যাম্লে, (পয়ার ১০১ প্রমাণ্ডি শ্লোক অসিনি। মথক্কী পযারগী টিকাদা যেংবিয়ু।)

১০২। অস্পৃম্না—অঙাং (কৌমার) ওইনগী মহয যান্দুনা দ্বাপরদা শ্রীগৌরাঙ্গাবতারগী মমাংদা। রসকী যুম্ফম্নি—শৃঙ্গারনচিংবা রস পুম্নমক্না চংজে। "মধানাম শনির্নাং ননননঃ"

তথাপি নহিল তিনবাঞ্ছিত পূরণ।
তাহা আস্বাদিতে যদি করিল যতন॥ ১০৩
তাঁহার প্রথম বাঞ্ছা করিয়ে ব্যাখ্যান।
কৃষ্ণ কহে—আমি হয় রসের নিধান॥ ১০৪

অর্থ :—

অহুম ওইনমক অনীংবা অহুমদি থুংখিদে।
অনীংবহু থুংনবগী হোৎনবা পোৎথাদে॥ ১০৩
কৃষ্ণগী অনীংবা অহান্‌বদি উৎলিব' সিনি।
কৃষ্ণনা হাঈ—ঐঙোন্দা রস পূম্নমক্কী লৈফম্নি॥ ১০৪

গোর-কৃপা টীকা

নচিংবা (শ্রীভা, ১০।৪৩।১৭) শ্লোক্কী টীকাদা শ্রীধরক্ক স্বামিপাদনস্থ ভগবান শ্রীকৃষ্ণবু শৃঙ্গারন-চিংবা রস পূম্নমক্কী অপূনবা মূর্ত্তি (কদম্বমূর্ত্তি) নি হাঈনা শিংথারম্মী। "তত্র শৃঙ্গারাদি সর্ব্বরস-কদম্বা-মূর্ত্তি ভগবান তত্তদভিপ্রায়ানুসারেণ বভৌ।"

১০৩। অহুম ওইনমক—অহুম হাঈনা চাববস্থ। অনীংবা অহুম—অপাম্বা অহুম, শ্রীরাধাগী প্রণয-মহিমানচিংবা শ্লোক্তা হাঈখিবা। হোৎনবা পোৎথাদে—শ্রীকৃষ্ণনা পামজবা পোৎ অহুম অহু (মশাগী নীংথিজনা মাধুর্য্যনচিংবা অহু) চানীংহুনা হোৎনজববস্থ ব্রজলীলা-দদি ইনু ঙোনা ফংখিদরে, অনীংবা অহুম অহু থুংখিদবে। হাঈবিবা অনীংবা অহুম অসি থুংননবগী রাখম্না শ্রীগৌরাঙ্গানতার তৌবগী মক্ত ওইবা মরম ওইবম্মী।

১০৫। মথক্কী হাঈবিবা অনীংবা অহুম অসিগী মম্নংদা অহানবা অনীংবা অহু কবিনো হাঈবহু হাঈজবি। ঐঙোন্দা—শ্রীকৃষ্ণদা। রস পূম্নমক্কী লৈফম্নি—শৃঙ্গারন চিংবা রস পূম্নমক্কী চংজফম্নি (মবম অহুনা করবগুম্বা রস অমা চাননবগীদমক ঐনা লাংতক্কবা পোক্তে, লৈতবা পোৎ অহু লৈনীংবগীদমক লাংতক্কবা পোকপনি; ঐঙোন্দদি রস পূম্নমক্কী চংজফম্নিনা করিগুম্বা রস অমতা ঐগী অরাংপা লৈতে, রস পূম্নমকপু মপুং ফানা চাবা ফংননবগী খুদোং চাবা অহু ঐঙোন্দা লৈ)। ঐঙোন্দা রস পূম্নমক্কী-নচিংবদগী পয়ার ১১৬গী "প্রেম অসিদা"—নচিংবা ফাওবসি শ্রীকৃষ্ণনা হাঈননি।

পূর্ণানন্দময় আমি, চিন্ময় পূর্ণ তত্ত্ব।
রাধিকার প্রেমে আমা করায় উন্মত্ত॥ ১০৫
না জানি রাধার প্রেমে আছে কত বল।
যে বলে আমারে করে সর্ব্বদা বিহ্বল॥ ১০৬

অর্থ :

ঐদি চিন্ময় পূর্ণতত্ত্বনি নুংঙাইবা পোকফম্নি।
রাধাগী প্রেমতনা ঐবু ঙাওহনবা ঙম্বনি॥ ১০৫
রাধাগী প্রেম কয়া য়াম্না কনবা খঙবা ঙমদে।
শক্তি’ ছুনা ঐবু ঙাওহন্দুনা জ্ঞান তাহন্দে॥ ১০৬

গৌর-কৃপা টীকা

১০৫। নুংঙাইবা পোকফম্নি—ঐদি (শ্রীকৃষ্ণ) মপুং ফাবা নুংঙাইবগী মশক্তি, নুংঙাইবা হাঙ্গিবত্থু ঐনি, মপুংফাবা নুংঙাইবনি, মরম অদুনা নুংঙাইবা ফংননবগী (চাননবগী) দমক্তদি ঐনা লাংতক্নবসি মহৌশাগী নত্তে। চিন্ময়—মাযা সংসাবগী রাংমা, মায়া চংদবা অবেপ্পা ওইদুনা ঙান্দুনা লৈবা জ্ঞানতত্ত্বগী পোৎ। ঐদি নুংঙাইবগী মশক্তি, মায়াগী অরাবনা থঙবা অপিকপা কুইবা যাদবা নুংঙাইবসি নত্ত—মাদু অবেপ্পনি, চিন্ময়নি, লোইবা নাইদবনি, তক্ত-তক্তবনি, মদু মশানা ঙান্দুনা লেবনি, মশাব মশানা খঙবা ঙম্মী, ঐগী নুংঙাইববু ইশানা খঙজবদা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী মতেং লৌরুনবা দবকার লৈতে, মরম অদুনা করিগুম্বা মতমদা নুংঙাইবা ফংননবা (চাননবা) হেৎনবদা পাম্বে য়াৎতুনা লাংতক্নবা পোকপা লৈতে

পূর্ণ-তত্ত্ব—ঐদি পূর্ণতত্ত্বনি, মরম খুদিংদা মপুং ফাবনি, ঐগী করিগুম্বা অয়াৎপা অমত্তা লৈতে, মরম অদুনা অবাৎপা অপাম্বা—থুংননবগীদমক লাংতক্নবগী মতম অহাংবা লৈতে।

রাধাগী প্রেমতনা—তৌইগুম্বসুং ঐঙোন্দা রস পুম্নমক্কী চংজক্ষম, মপুং ফাবা-নুংঙাইবা, চিন্ময় অমসুং পূর্ণতত্ত্ব ওইরবসু রধিকাগী প্রেম্না (রাধিকাগী প্রেম চানীংবনা) ঐবু অসুক্কী মত্তিক লাতক্নহনথরে মাদুদা ঐ লৈফম খঙদে অঙাওবা-গুমথরে।

শ্রীকৃষ্ণনা লাংতক্নরিবা অমসুং অঙাওবগুম্নবসি মশানা মপুংফাদবদুনা তৌবা নত্তে, মরমদি মহাশক্তি পূর্ণতত্ত্বনি, শ্রীরাধাগী অঙকপা প্রেমগী মথক্না শ্রীকৃষ্ণনা ঙাওননবগী মরম ওই।

১০৬। ঐ পূর্ণ তত্ত্বনি, নুংঙাইনা পোকফম্নি, ঐবু কনানসু ঙাওহনবা অমদি লাং-তক্নহনবা ঙমফম থোক্ত, তৌইগুম্বসুং শ্রীরাধাগী প্রেমতনা মাদু থোক্কনবা ঙম্মী—ঐঙোন্দা

রাধিকার প্রেম—গুরু, আমি—শিষ্য নট।
সদা আমা নানা নৃত্যে নাচায় উদ্ভট॥ ১০৭

অর্থ :—

রাধা প্রেম্না-গুরুনি, ঐনা জগোই শিষ্যনি।
তত্তনা ঐবু অঙকপা জগোই শাহনবনি॥ ১০৭

গৌর-কৃপা টীকা

মপুংফানা মুংঙাইবা নীপা অমগী থমোইদা, লাকশিনবা (থাম্বা) ওমদবা অপাম্বা পোকহন্দুনা ঐবু লাংতক্লহল্লী, মাহুদা ঐ অসি চপ-চানা মুংবংনবা হাঙ্গৈবা অহু ওইখবে। রাধাগী প্রেম কযা য়াম্না কনখবে। রাধাগী প্রেম কযা যাম্না কনগ্রবা ঐনা খাওফম খঙজদে (খাঙবা ঙমজদে)! কযা যাম্না কনবা—শক্তি কযা যাম্না লৈবা; শিংথাবা ওমদবা অঙকপা শক্তিনা মপুংফাবা নীপাবুস্থ ওকহনবা ওম্মী। জ্ঞান তাহন্দে—মুংবংনহল্লী, ঙাওতুনা জ্ঞান মাঙহল্লী।

১০৭। শ্রীরাধাগী প্রেমগী শক্তি অসি অম্নকী মতিক কনখবে, মহুনা ঐহাকপু অঙকপা ফংনা জগোই শাহনখরে—জগোই তম্বিবিবা ওঝানা (গুরুনা) সেবক (শিষ্য) অহুবু ওই-যেংনা লৈহন্দুনা তৌহম্নীংবদা তৌহন্দুনা ইঙ্গিং তৌহুনা জগোই শাহল্লী, শ্রীরাধাগী প্রেমস্থ মতৌ অহুগুম্না ঐবু জগোই শাহল্লী, ঐগী শক্তি পুম্নমক মচিন যৈসিনখবে। ঐনা অঙাওবা জ্ঞান লৈতবগী মতৌগুম্না রাধাগী প্রেমগী ইঙ্গিত য়েংহুনা জগাই শাহুনা লৈবে—বাজীববনা (মিত্রং হৈবা মীনা) লাইফদিবু জগোই শাহনবা মতৌ অহুগুম্ন প্রেম্না গুরুনি শ্রীরাধাগী শিংথাবা ওমদবা অঙকপা গুন্না মাগী প্রেম অহু ঐগী গুরুগী মতৌগুমথরে—জগোই তম্বিবগী ওঝা (গুরু) গা মান্নখবে। শিষ্যনি শ্রীরাধ প্রেমগী মকমদদি ঐ অসি জগোই তম্বিবী শিষ্যগী মতৌগুমবে। শিষ্যনা গুরুগী ইঙ্গিং যেংহুনা জগোই শাই, মতৌ অহুগুম্না ঐস্থ রাধা প্রেম য়েংহুনা চংলি; ঐনা শক্তি পুম্নমক্কী মপু ওইববস্থ রাধাগী প্রেমবু থৌওইদহুনা অতোম্না অমদা চংপা ঙম্বগী শক্তি টৈ তরে—মতৌ অম্মূম্না রাধাগী প্রেম অঙকপগী মশক ওইবা গুণ চেনখরে। অঙকপা জগোই শাহনবনি—যাম্না অঙকপগী মশক ওইনা ঐবু জগোই শাহল্লী। ঐনা পুম্নমক্কী ঈশ্বর ওইয়বস্থ করি কবিগুম্বদা শ্রীরাধাগী ইচম-চম্বা থবক তৌই, অহুম্না করিগুম্বদস্থ "দেহি পদপল্লব মুদারং" হাঙ্গৈহুনা শ্রীরাধাগী চরণ পাজৈহুনা থুরুম্মী। ঐনা শক্তি পুম্নমক্কী মপু (পুথোকপা) অমস্থুং আঁকিবা কৌবা অহুনা ৭কমনবগী মশক ওইয়বস্থ কংসিতবা জটালা দেবীবু উন্নগা ঐ অকিবা ফংউী; অচুম্বগী মশক (শক্তি

তথাহি গোবিন্দ লীলামৃতে (৮/৭৭)

কস্মাদ বৃন্দে প্রিয়সখি হরে: পাদমূলাৎকুতোহসৌ
কুণ্ডারণ্যে কিমিহ কুরুতে নৃত্যশিক্ষাং গুরু ক:।
তং ত্বন্মূর্ত্তি: প্রতিতরুলতাং দিগ্বিদিক্ষু স্ফুরন্তী
শৈলূষীব ভ্রমতি পরিতো নর্ত্তয়ন্তী স্বপশ্চাৎ। ১৮

গৌর-কৃপা টীকা

স্বরূপ) ওইবরন্স কবিগুম্বদা শাসিন্নবা মীনম্বা ফিজেৎ শেৎতূনা শ্রীরাধাগী মনাক্তা চংলি, অসিনচিংবা মখল-মখা অযাম্বা শান্নবা লাইফদিবীগী মতৌগুম্না শ্রীবাধাগী প্রেম্না ঐবু পুত্তনা শান্নে। ৩। ১৮। ১৭ পযাব টীকাদা যেংবিযু।

শ্লো। ১৮। অন্বয়। [শ্রীবাধা পৃচ্ছতি] (শ্রীবাধানা হংলম্মী), - প্রিযসখিবৃন্দে (হে চান্নবী সখী বৃন্দে)। [ত্বং (নংনা) কস্মাৎ (কদাইদগী)। আগতা। (লাক্লি-বনো)? [বৃন্দা কথযতি] (বৃন্দানা—খুম্নকৃই) -হরেং (শ্রীকৃষ্ণনা) পাদমূলাৎ (চবণ মনাক্তনী)। [রাধা আহ] (মতম অতুদ বাধানা হাঙ্গৈরকই) অসৌ (মসিগ অদু) কুতঃ (কদাইদা লেক্লৌই)? বৃন্দাহ (বৃন্দানা খুম্নকই)—কুণ্ডারণ্যে (রাধাকুণ্ড মনাক্তা লৈরা বন্দা)]। [রাধা (রাধানা হাঙ্গৈবকই) ইহ (মফম অদুদা—কুণ্ডারণ্যা) কিং (করি) কুরুতে (তৌহৌবগে? বৃন্দাহ (বৃন্দানা খুম্নকই)—নৃত্যশিক্ষাং (জগোই তম্বা) [কুরুতে (তৌবি)। রাধাহ] (শ্রীরাধানা হাঙ্গৈরকই) গুরু কঃ (গুরু কনানো)? বৃন্দাহ (বৃন্দানা খুম্নকৃই)—প্রতিতরুলতাং (উপাল-বাপাল খুদিংদা) দিগবিদিক্ষু (মাইকৈ পুম্নমক্তা) শৈলূষীইব (অহৈবী জগোই শাবীগুম্না) স্ফুরন্তী (যাওরবা) ত্বন্মূর্ত্তি (নংগী মূর্ত্তি) তং (মাবু-শ্রীকৃষ্ণবু) স্বপশ্চাৎ (নশাগী তুংদা) (জগোই শাত্থন) পরিতঃ (মাইকৈ মবিদা) ভ্রমতি (কোইরি)।

অনুবাদ। (শ্রীবাধানা হাঙ্গৈবকই), হে চান্নবী সখী বৃন্দে। নং কদাইদগী (কদামদগী) লাক্পনো? (বৃন্দানা খুম্নকৃই) শ্রীকৃষ্ণগী চবণ-নাক্তগী। (শ্রীবাধানা হাঙ্গৈ), (ইবংগো) মহাক (শ্রীকৃষ্ণ) কদাইদা লৈহৌই? (বৃন্দানা খুম্মা মহাব) শ্রীরাধাকুণ্ড মহাক্তী বোন্দা। (শ্রীবাধানা হাঙ্গৈরকই) মফম অদুদা মহাক করি তৌহৌবগে? (বৃন্দানা খুম্নকই, মহাক মফম অদুদা) জগোই তমহৌবি। (শ্রীরাধানা হাঙ্গৈরকৃই, মহাক্না জগোই তম্বগী) গুরু (ওঝা) কনানো? (বৃন্দানা খুম্নকৃই) মাইকৈ পুম্নমক্তা লৈরিবা উপাল-বাপাল খুদিংদা নংগী মূর্ত্তি ফাওরকুনা মাত্থনা অহৈবী জগোই শাবী অমগী মতৌগুম্না কোইনা জগোই শাবা অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা মাতুগী মতুং ইন্দুনা মাইকৈ মবিদা কোইনা কোইনা চংতুনা জগোই শাহৌবি। ১৮

নিজপ্রেমাস্বাদে মোর হয় যে আহ্লাদ।
তাহা হৈতে কোটিগুণ রাধাপ্রেমাস্বাদ॥ ১০৮

অর্থ :—

ইশাগী প্রেম চাজবদা হরাওজবি ঐন।।
মাহুদগী কোটিগুণ হেল্লী বাধা প্রেম-চাবন।॥ ১০৮

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীকৃষ্ণনা হুমিৎ যুংবগী মতমদা শ্রীবাধাবু উননীংবদগী রাধা কুণ্ডগী মনাক্কী বোন্দা লেঙলক্কনা ভাইহনা লৈ। নোংমদি বাধাগী প্রেম্না ভাওহনা হুংবংনখিহনা মানা যেংলু-য়েংলুবা মাইকৈ খুদিংদা ইবম্না বাধাগী মূর্ত্তি ভাক্না উথাব। উ খুদিংদা, উনা খুদিংদা শ্রীরাধাবু উবা হৌবক্রে, হুংশিংনা তপ্না শিংলকপদা উবা-র বীন, উনানা খবা খবা হাই-তুম্বা অহুদা বাধা প্রেম্না হুংবংনববা শ্রীকৃষ্ণনা খল্লী। শ্রীবাধামক্না জগোই শাবিবনি, জগোই অহুগী মতৌ তমহনা মহাকম্ব নিংথিজনা জগোই শাবা হৌরক্রে। জগোই-শুব অহুগী মতৌ তমহনা জগোই শিমানা তমচবা অহুগী মতৌগুম্না অস্নম তৌহনা ইবুংঙো মহাক্না মাইকৈ মবিদা কোঈবা হৌবক্রে। মভুংদা ভাইহাক লৈবগা শ্রীবাধাম্ব শ্রীকৃষ্ণগা লোঈনননা শান্ননীংবগীদমক বন্দা লেঙশিংক্রে, মতম অহুদা ইবেম্মগী হবচাংগী মনম ফংলহনা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেম্না লেঙলক্রে হাঈবা খঙলে অমম্বুং খৌবাংনা ভাইহনা লৈবা মবম্না, থনা মাব পুবরুবগীদমক বৃন্দাদেবীবু থাবক্রে। বৃন্দাগা বাধাগা উনবদা রাবী-বাতাই শানখিবহু, শ্লোক অসিনি।

শৈনষী—জগোই শাবী অহৈবী, জগোই শাবা তম্নিবা ভম্ব নর্ত্তকী। ভ্রমতি শ্রীরাধাগী মূর্ত্তিনা কোঈবী। শ্রীরাধাপ্রেম্না হুংবলবা শ্রীকৃষ্ণনা নোংপোকলোমদা যেং-থোকখিবা মতমদা উনা মযাম অহনা হাই-তুম্বা অহু উক্রবগা, শ্রীবাধাগী মূর্ত্তিনা জগোই শাবি হাঈনা খল্লী। অহুগা অমুক মখাবোমদা যেংথোকখিবা মতমদম্ব শ্রীবাধা-মুর্ত্তিনা নোংপোকলোমদগী মখাবোমদা লাক্কনা জগোই শাবিবোই নীংঙী। মতৌ অস্নম তৌহনা শ্রীকৃষ্ণনা যেংথোকখিবা মাইকৈ খুদিংদা শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তিতমক উবা অহনা মহাক্না খনখি শ্রীবাধা-মূর্ত্তিনা মাইকৈ পুন্নমক্না কোঈহনা জগোই শানিবোবে মহাক্কী পুক্নিংগী রা অসি বৃন্দানা হাঈখি। শ্রীবাধাগী প্রেম্না গুরু ওইরগা শ্রীকৃষ্ণবু অঙকপা ফং। জগাই শাস্ত্রী হাঈবা মথক্কী পল্লাব অহুগী প্রমাণ তৌবা যানবা শ্লোক অসি লৌখচ্চবি।

১০৮। রাহং অমা লাকপা যাই, শ্রীকৃষ্ণন বাধা-প্রেমগী মগুণ ইখঙ-খঙদে, হাঈবা অহুমক্তি নত্তে শ্রীরাধানা প্রেমগা লোঈননা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌই—শ্রীকৃষ্ণনা অম ওইবা সেবাগী হুংচাইবা অহু লৌই (চাই); মাহুদা মহাক্না বাধাপ্রেমগী মগুণ খঙবা ঙম্মী, মবম

আমি যৈছে পরস্পর বিরুদ্ধ ধর্ম্মাশ্রয় ।
রাধা প্রেম তৈছে সদা বিরুদ্ধ-ধর্ম্মাশ্রয় ॥ ১০৯

অর্থ :—

ধর্ম্মতিন্নদবা অনী ঐঙোন্দা চংফম্নি ।
রাধা-প্রেমদসু তিন্নদবা-ধর্ম্ম চংফম্নি ॥ ১০৯

গৌর-কৃপা-টীকা

অতুনা রাধাপ্রেম চানীংবনা মহাক্কা লাংজক্লগদবগী মরম লৈবা য়াবরা ? মাসিগী পাওখুমদি পয়ার অসিনা হঙ্গৈরি—"রাধাপ্রেমগী শরুক খজিক্তং ফংডি হাঙ্গবা চুম্মী ; তৌইগুম্বসুং ফুংলিবা শরুক অতুদি প্রেমগী বিষয় ওইনা (পোং লৌরিবা মপু অমা ওইনা) ফংবনি ; আশ্রয় ওইনা (পোং পীরিবা মপু অমা ওইনা) ফংবদি নত্তে। প্রেম লৌরিবা (প্রেমগী বিষয়) ওইনা প্রেম চাবদা নুংঙাইবা ফংবা, মাতুদগী প্রেম পীরিবা (আশ্রয়) ওইনা প্রেম চাবনা শরুক কোটি হেন্না নুংঙাই ; মরম অতুনা প্রেমগী আশ্রয় ওইনা (শ্রীরাধাগী মতৌ গুম্না) রাধা-প্রেম চাননবগীদমক ঐনা হাঙ্গনীংঙাই লৈতনা অপাম্বা পোকই ।"

ইশাগী প্রেম চাজবদা—শ্রীকৃষ্ণদি প্রেম অতুগী বিষয়নি, মপূনি ; মপূ অমা ওইনা প্রেম অতু চাজবদা । প্রেম সেবা ফংবদা নুংঙাইবা—অতুম ওইবা নুংঙাইবা অতু চাজবদা ।

রাধা-প্রেম চাবনা—আশ্রয় (প্রম পীরিবা) ওইনা রাধা-প্রেম চাবনা—শ্রীরাধানা রাধাপ্রেম চাবনা । প্রেম অতুগা লোঙ্গনা শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌই, শ্রীরাধাদা প্রেম অতুনা চংজবনি (আশ্রয় তৌবনি), অতুগা শ্রীকৃষ্ণনা বিষয় (সেবা লৌরিবা মপু) নি । আশ্রয় ওইনা (পোং পীরিবা কচ্চরিবা মপু ওইনা) প্রেম অতু শ্রীরাধানা চাবদা নুংঙাইবা ফংবা অতুনা—বিষয় ওইনা (পোং লৌরিবা মপু ওইনা) শ্রীকৃষ্ণনা প্রেম অতু চাবদা নুংঙাইবা ফংবা অতুদগী কোটিগুণ হেল্লী ।

আশ্রয়গী নুংঙাইবা অতুনা বিষয়গী নুংঙাইবদগী শরুক কোটি হেল্লো হাঙ্গবসি শ্রীরাধাগী খিবম উরগা শ্রীকৃষ্ণনা অনুমান দা খণ্ডবনি, নত্রবদি নবদ্বীপ লীলাগী মমাংদা শ্রীকৃষ্ণনা মাতু খঙবা ওম্বগী খুদোংচাবা লৈরমদে ।

১০৯। রাধা-প্রেমগী অমুকসু অঙকপা মগুণগী ব্রা অমা ফোংদোকচরি । তিন্নদবা ধর্ম্ম অনিনা শ্রীকৃষ্ণদা চংজবা অতুগুম্না রাধা-প্রেমদসু তিন্নদবা ধর্ম্ম অনিনা চংজে । মথাগী পয়ার অতরদা তিন্নদবা ধর্ম্ম অনিনা রাধা-প্রেমদা চংজবগী খুদম উহনজরি ।

রাধাপ্রেম বিভু—যার বাড়িতে নাহি ঠাঞি।
তথাপি সে ক্ষণে ক্ষণে বাড়য়ে সদাই॥ ১১০

অর্থ :—

রাধা প্রেমদি মপান নাইদে, লৈত্রে চাওখৎনীঙাই।
অহুম ওইনমক তত্তনা ওইরি চাওখৎনীংঙাই॥ ১১০

গৌর-কৃপা টীকা

তিন্নদবা ধর্ম্ম অনী—য়েক্রবা ওইহুনা অমগা অমগা তিন্নবা য়াদবা, মখোঙ্গী অনী মকম অমতদা পুন্না লৈমিন্নবা য়াদে। ধর্ম্ম অনী অসিগী চংজফমদি শ্রীকৃষ্ণদনি। পিকপদা মপা লৈত্রবা চাংদন্নীংঙাই লৈত্রবা পোং অহুনা শিন্থ্রংনা লৈবা ঙম্বা লাই ওইবা ঙমদে; তৌইগুম্বমুং শ্রীকৃষ্ণদি মাহু ঙম্মী; মতম অমতদা পিকপদা চাংদন্নীংঙাই লৈতবা পোং ওইরগা অমম্মুং নাকন অমরোমদনা চাওবদা চাংদন্নীংঙাই লৈতনা চাওবা ঙম্মী "অণোরণীয়ান মহতো মহীয়ান কঠ ১।২।২০; শ্বেতাশ্ব ৩।২০।" কমহুনা লৈরিবা মতম অহুমক্তদা অরাপ্পদা চংপা ঙম্মী; তুমহুনা লৈরিবা মশা অহুনা মতম অহুমক্তদা তুম্বা ইকাই-কাঙ্গহন্দনা মকম খুদিংদা শিন-খুংনা চংপা ঙম্মী। "আসীনো দূরং ব্রজতি শয়ানো সর্ব্বতঃ। কঠ ১।২।২০॥" অমগা অমগা য়েক্রবগী মতৌগুম্নবা, তিন্নবা য়াদবা, ওন্ন-তৈনবা ধর্ম্ম পুম্নমক অসি শ্রীকৃষ্ণদা চংফম্নি (তিন্নী)। মপুংফানা মুংঙাইবগী মশক পূর্ণতত্ত্ব ওইরবসু রাধাপ্রেমগী মগুন্না শ্রীকৃষ্ণনা ঙাওই, মাসিসু তিন্নদবা ধর্ম্ম অনিনা পুন্না লৈবগী (চংজবগী) খুদম্নি। শ্রীরাধাগী প্রেমসু মতৌ অম্মুন্না অমগা অমগা তিন্নদবা ধর্ম্মনা চংজৈ (তিন্দনা লৈ)।

১১০। তিন্নদবা-ধর্ম্মনা রাধাপ্রেমদা চংজবা উচরি, পয়ার অহুমদা রাধা প্রেমদি মপান্নাইদে—শ্রীরাধাগী প্রেমদি চিচ্ছক্তিগী মওংনি; চিচ্ছক্তিদি লাইনি, মপান্নাইদে, মকম পুম্নমক্তা শিন্থুংনা লৈবা পোংনি; মরম অহুনা রাধাগী প্রেমসু লাইনি, শিন্থুংনা লৈবা পোংনি। মপুং ফাদবা পোং অহু চাওখৎলক্তুনা মপুং ফাবা ঙম্মী; তৌইগুম্বমুং মপুং ফাগ্রবা পোং, শিন্থুংনা লৈগ্রবা পোং অহুদি করিগুম্বা মাহুনা চাওখৎলকপা হৌনদরে। মরম অহুনা হাঙ্গৈরিবনি—চাওখৎনীংঙাই লৈত্রে। শ্রীরাধা-প্রেম মপান্নাইদে হাঙ্গবসি শ্রীগোবিন্দলীলামৃতদা মাহুগী প্রমাণ ফংঙী, "প্রেমা প্রমাণরহিতঃ। ১১। ২০॥" প্রেম্না খম্থেংনা ফোংদোকপা অহু বিভু-প্রেম হাঙ্গনৈ (ঈশ্বরগী প্রেমনি)। মাদনাখ্য-মহাভাবনা প্রেমগী খম্ থেংবনি, মরম অহুনা মাদনাখ্য মহাভাবনা বিভু প্রেমনি। মাসি শ্রীরাধাগী প্রেমগী অঙকপনি। রাধাগী প্রেমবিভুনি লাইনি হাঙ্গহুনা চাওখৎনীংঙাই লৈত্রবসু মিরুপ খুদিংগী চাওখৎলি। নিতিগী ইনোদা নৌই।

যাহা বই গুরু বস্তু নাহি সুনিশ্চিত।
তথাপি গুরুর ধর্ম্ম গৌরব-বর্জ্জিত॥ ১১১
যাহা হইতে সুনির্ম্মল দ্বিতীয় নাহি আর।
তথাপি সর্ব্বদা বাম্য-বক্র-ব্যবহার॥ ১১২

অর্থ :—

রাধা-প্রেম নত্তনা অথোইবা পোং অমা লৈতরে।
অথোইবা ওইরগসু চাওথোক্পা মতৌদরে॥ ১১১
মাঙোন্দগী হেন্না শেংবা অনিগুবা লৈতে।
অদুম ওইনমক সাওগন্বা থাদোক্পদি লৈতে॥ ১১২

গৌর-কৃপা টীকা

১১১। অথোইবা পোং—গুরু বস্তু। শক্তি পুম্নমকী মনুংদা হ্লাদিনী শক্তিনা অথোইবা মওইরে; অদুগা হ্লাদিনীগী মচিদি প্রেম্নি; প্রেমগী মচিনা শ্রীরাধাগী মাদনাখ্য-মহাভাবনি; মরম অদুনা রাধা-প্রেমগা মান্নবা অথোইবা পোং অমা মরৈতরে। মরম অদুনা উজ্জ্বল-নীলমণিদা হায়রি—"মাদনোহয়ং পরাৎ—পরঃ। স্থা, ১১৫॥" "অথোইবা—গুরু" শব্দ অনী অসি পরাৎপর মাদনাখ্য-মহাভাবপু খঙনৈ।

চাওথোকপা মতৌদরে—ঐশ্বর্য্যগী মনম য়াওদরে। রাধাপ্রেম্না খ্বাইদগী অথোইবা পোংনি, মঙোন্দগী অথোইবা পোং অমা লৈতরে। অথোইবা মী (পোং) ওইরবদি মহো-শানা চাওথোকপা, নাপন্ য়াংবা ঙাক্তনি; তৌইগুম্বসুং রাধা-প্রেমদা নাপন্নচিংবা লৈতে। রাধা-প্রেমদা তিন্নদবা ধর্ম্মগী চংফম্নি হায়বসি মসিসু খুদম অমনি।

১১২। মাঙোন্দগী—রাধা-প্রেমদগী। হেন্না শেংবা—হেন্না ফজবা, চুম্বা। সাওগন্বা—ওইনবা, অখোঙবা। থরাই-হুকচাং হৈজিন্দুনা শ্রীকৃষ্ণবু পেন্নবা হোংনবা অদু প্রেমগী খুদম্নি; প্রেম অদুদা সাওনীংনবগী মফম লৈতে। শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাবু উননীংহনা য়াম্না খৌরাংলবসু ইবেম্মনা উন্ননীংদবা-য়ানিংদবা ফোংদোরকপা মতম য়াওরকই; মতম অদুদা সাওগনবা ওইনবা হায়নৈ; মহোশানা মাদু শ্রীকৃষ্ণ পেন্নবা হোংনবা প্রেমগী য়েক্লবনি (ওন্ন-তৈনবনি)। তৌইগুম্বসুং ভাওকপগী মশক্তি অসিনি, রাধাপ্রেম অসি য়াম্না লোংলবসু মাদুদা সাওগনবা, অখোঙবা ভাব উবা ফংই। মসি রাধা-প্রেমদা তিন্নদবা ধর্ম্ম অনিনা (য়েক্লবা ধর্ম্ম অনিনা) চংজবগী (লৈবগী) খুদম অমনি।

তথাহি দানকেলিকৌমুদ্যাম্ (২)
বিভুরপি কলয়ন্ সদাভিবৃদ্ধিং,
গুরুরপি গৌরবচর্য্যয়া বিহীনঃ।
মুহুরুপচিত বক্রিমাপি শুদ্ধো,
জয়তি মুরদ্বিষি রাধিকানুরাগঃ ॥১৯

গৌর-কৃপা-টীকা

থোইদোক্না খন্নগদবদি, সাওগনবা অমস্তুং ওইনগনবা লমচৎ চৎলগা রাধা-প্রেমগী অশেংবা কজবা অতুদা কবিস্থ অকাইবা লৈতে। করিগুম্বা পোৎ অমদা জাতি মান্নদবা পোৎ অমা লাক্তুনা তিন্নরবদি পোৎ অতুগী অৱবা অতু মাগুখি ; মাতুদি ঈশিংদা, ঈশিংদি নত্তবা অতোপ্পা জাতি ওইবা লৈখোম হৈজিন্নবদি ঈশিং অতু লুবা ঙমদে। সাওগনবা অমস্তুং ওইনগনবা অতুনা প্রেমদগী অতোপ্পা জাতি অমা ওইরবস্থ প্রেম অতু মোৎহনবা ঙমদে, সমুদ্রগা ঈথক্না অনিগী মতৌগুম্বনি সাওগনবা অমস্তুং ওইনগনবস্থ প্রেমগী ঈথকস্বনি, মখোঙ তিন্নবদা মোৎপা লৈতে, অহোইনচুম লংবা ঙেন্নকুই অমস্তুং চাবদা মহাও লৈবা হেল্লী।

শ্লো। ১৯। অন্বয়। বিভুঃ (মক্ষম থুদিং শিন্দুংন লৈবা মপুংফাবা) অপি (ওইরবস্থ) সদা (মতম লেবা খিবিক্তা) অভিবৃদ্ধিং (পুন্নমক্তা চাওখৎপবু) কলয়ন (ওই), গুরু (অথোইবা) অপি (ওইরবস্থ) গৌরবচর্য্যযা (নাপন চাওথোকপনচিংবা) বিহীনঃ (যাওদে), মুহুঃ (হন্ন-হন্ন) উপচিতবক্রিমা (সাওগনবা), অথোঙবা অপি (ওইরবস্থ) শুদ্ধঃ (অশেংবনি) মুরদ্বিষি (শ্রীকৃষ্ণদা) রাধিকানুরাগঃ (শ্রীরাধাকাগী অনুরাগ জযতি (জয় ওইরি)।

অনুবাদ। বিভু (মপুং ফাবা) ওইরবস্থ মতম লৈবা খিবিক্তা চাওখৎপগী শরুক ওইরি, গুরু (অথোইবা) ওইরবস্থ নাপন চাওথোকপনচিংবা য়াওদে, য়াম্না সাওগন্নবস্থ অশেংবনি, শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা শ্রীরাধিকাগী অসিগুম্বা অনুরাগনা জয় ওইরি। ১৯।

মথক্কী পয়ার অতএদা শ্রীরাধা প্রেমদা তিন্নদবা ধর্ম্ম (বিরুদ্ধ-ধর্ম্ম) চংকম ওইবগী বা পুন্নমক হাঙখিবতু শ্লোক অসিনা মাতুগী প্রমাণনি।

উপচিত বক্রিম—উপচিতা (হেনগৎপা, চাওখৎপা) ওইরে বক্রিমা (সাউবা, অথোঙবা, বাম্যলক্ষণ কৌটিল্য) মতুদা অতুগুম্বা রাধানুরাগ, অনুরাগ অতুদা অথোঙবা বর্তমান লৈবা। শুদ্ধ—মশাগী নুংঙাইনীংনগী বাথন যাওদবা অশেংবা অৱবা (রাধিকানুরাগ)। প্রেম্না থমথেংনা শাৎশাইনা অতুবু বিভু-প্রেম হাঙনা য়াই। মাতু মাদনাখ্য

সেই প্রেমার শ্রীরাধিকা 'পরম-আশ্রয়'।
সেই প্রেমার আমি হই কেবল 'বিষয়'॥ ১১৩

অর্থ :—

প্রেম অদুগী 'অথোইবা চংকমদি' শ্রীরাধানি।
প্রেম অদুবু লৌরিবা 'মপুনা' কৃষ্ণ ঐনি॥ ১১৩

গৌর-কৃপা-টীকা

মহাভাবনি ; মরম অদুনা অথোইবা মপুং ফাবা অদু বিভুনি। রাধিকানা শ্রীকৃষ্ণদা লৈবা অনুরাগ অসি বিভুনি, অনুরাগ অদু অদুকী মতিক হাংখৎলগা, হেনগৎলগা বিভু হাঙবা য়াই। "বিভু অনুরাগ" হায়রবদি মাদনাখ্য মহাভাবপু খঙনৈ, মাসি শ্রীরাধাগী প্রেমগী অঙকপা মওং অমনি। ২।২৩।৩৭ গী পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু।

১১৩। প্রেম অদুগী—মথক্তা হায়রিবা তিরদবা-ধর্ম্মগী মশক ওইবা বিভু প্রেমগী, মাদনাখ্য মহাভাবকী (পয়ার ১১০ গী টীকাদা অমসুং মথকী শ্লোকতা "বিভু"-শব্দগী অর্থ য়েংবিয়ু)॥ অথোইবা চংকমদি—অথোইবা আশ্রয়দি। মাভোন্দা প্রেম লৈবা অমদি মহাক্না প্রেমগা লোয়নননা সেবা তৌবা, মহাকপু প্রেম অদুগী আশ্রয় (চংজফম) কৌই। অদুগা মহাকী মফমদা প্রেম হোঁজিনজবা অমদি প্রেমগা লোয়নননা মাগী সেবা তৌবা, সেবা লৌরিবা মহাক অদুবু প্রেমগী বিষয় (পোৎ মপু) কৌই। বিভু-প্রেম অমদি মাদনাখ্য-মহাভাব শ্রীরাধিকাদা লৈ, প্রেম অসিনা শ্রীরাধাদানা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌই, মরম অসিনা শ্রীরাধানা প্রেম অদুগী আশ্রয় (চংফম্মি, লৈফম্মি, তু ফাম্ম) অমসু শ্রীকৃষ্ণনা মাদুগী (প্রেম অদুগী) বিষয় (মপু) নি। শ্রীরাধাবু মাদনাখ্য-প্রেমগী অথোইবা চংফম্মি হায়করগী মক ওইবা য়াদি, রাধা নত্তনা শ্রীকৃষ্ণগী অতৈ চায়বা কনা শামতদা প্রেম অসি লৈতে, শ্রীরাধিকা মত্তোমতনা মাদনাখ্য (বিভু) প্রেম অসিগী অধিকারিণীনি (চংফম মপুনি)। "সর্ব্বভাবোদগমোল্লাসী মাদনোঽয়ং পরাৎপরঃ। রাজতে হ্লাদিনী সারো রাধায়ামেব যঃ সদা। উ, নী, স্থা ১৫৫॥" প্রেম লৌরবা মপু—শ্রীকৃষ্ণদি মাদনাখ্য-মহাভাবকী মপুনি চংফম (আশ্রয়) নাত্তে। প্রেম শাৎকাইরকপদা হুংশিবা, পাম্মুবা কয়রকপা, চায়বা, রাগ, অনুরাগ, ভাব অমসুং মহাভাব কৌই থাক কয়ামরুম লৈ। মহাভাবকী অমুক মোদন অমসুং মাদন কৌবা থাক অনী লৈ। প্রেম শাৎকাইরকপগী অশ্নাইবা থাকী মশিংদি মাদনাখ্য-মহাভাব কৌবা, মাদু শ্রীকৃষ্ণদা লৈতে (শ্রীরাধা নত্তনা অতৈ কনাদসু লৈতে) ; মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণদি মাদনাখ্য-মহাভাবকী আশ্রয় (চংফম) নত্তে—মপুনি (বিষয়নি) ; মবনদি মাদনাখ্য প্রেমনা শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌই।

বিষয় জাতীয় সুখ আমার আস্বাদ।
আমা হৈতে কোটিগুণ আশ্রয়ের আহ্লাদ॥ ১১৪
আশ্রয় জাতীয় সুখ পাইতে মন ধায়
যত্নে আস্বাদিতে নারি, কি করি উপায়? ॥ ১১৫

অর্থ :—

প্রেম অদুবু মপু ঐনা চাবদা নুংঙাইরি।
ঐগোন্দগী আশ্রয়না কোটি হেন্না হরাওরি॥ ১১৪
আশ্রয়না নুংঙাইবদু পুক্নিংনা ফংনীংবনি।
হোৎনরবসু ফংদা ঙমদে করি উপায় তৌনি॥ ১১৫

গৌর-কৃপা টীকা

১১৪। মপু ঐনা নুংঙাইরি মাদনাখ্য-মহাভাবকী মপু ওইবনিনা; মাদনাখ্য-মহাভাবকী সেবা ফংবদা নুংঙাইবা অদু। আশ্রয়না হরাওরি মাদনাখ্য-প্রেমগী তুংফম শ্রীরাধানা প্রেম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌজবদা হরাওজবা নুংঙাইজবা ফংবা, মহুৎনা সেবা অদু ফংবদা (তৌবদা) শ্রীকৃষ্ণনা নুংঙাইবা ফংবদগী শকক কোটি হেন্না নুংঙাই)।

১১৫। আশ্রয়না নুংঙাইবদু—মাদনাখ্য-মহাভাবগী চংজফম্না (লৈফম্না তুংফম্না) নুংঙাইবদু। মাদনাখ্য মহাভাবকা লোয়নবা শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবদা নুংঙাইবা ফংঙী, অদুম ওইনা নুংঙাইবা অদু শ্রীকৃষ্ণনা ফংজনীংঙী। সেবা লৌবিবনা নুংঙাইবা ফংবা অদু (পোৎ মপুনা নুংঙাইবা ফংবা অদু) শ্রীকৃষ্ণনা থঙই। মরমদি, মহাক্না শ্রীরাধিকাগী সেবা লৌবি। তৌইগুম্বসুং সেবা তৌদুনা নুংঙাইবা ফংবা অদু (আশ্রয়না, চংজফম্না, শ্রীরাধানা নুংঙাইবা ফংবা অদু) মহাক্না খঙদে; (মরমদি, শ্রীকৃষ্ণনা মাদনাখ্য প্রেম্না সেবা তৌদে); মসিমক অদুনা নুংঙাইবা অদু ফংনীংবনা মহাক্না যাম্না থৌবা লৈ ফংনীংবা অদুগা পুক্নিং অদু লুপখিদুনা, নুংঙাইনা অদু ফংননবগী উপায় থোঙ্গৈবি-থিবদা পুক্নিং তপথবা ঙমজে। হোৎনরবসু ফংবা ঙমজে—(শ্রীকৃষ্ণন হাই) প্রেমগী তুংফম্না (আশ্রয়না) নুংঙাইবা অদু ফংননবগীদমক হোৎনরবসু ফংবা ঙমদে, মরমদি, মাদু ফংননবগী মরমদা পাইগে ওইগদোবা পোৎ অদু (ব্রজবিলাসী শ্রীকৃষ্ণগী লৈতে, শ্রীরাধাগীদি লৈ। করি উপায় তৌনি—মাদু ফংননবগীদমক (চাননবগীদমক) করি উপায় লৌগনি? আশ্রয়না নুংঙাইবদু ফংননবগীদমক তোগদবা থৌরম অদু শ্রীকৃষ্ণনা যাম্না থৌরাংবরক্লে।

কভু যদি এই প্রেমার হইয়ে আশ্রয়।
তবে এই প্রেমানন্দের অনুভব হয়॥ ১১৬
এত চিন্তি রহে কৃষ্ণ পরম কৌতুকী।
হৃদয়ে বাড়য়ে প্রেমলোভ ধক্‌ধকী॥ ১১৭

অর্থ

প্রেম অসিদা চংজরবদি করিগুম্বদা।
প্রেমগী নুংঙাইবা থঙনি অদু ওইরবদা॥ ১১৬
কৃষ্ণন য়াম্না হরাওনা লৈ, অসি খন্দুনা।
অসুম হেনগংলকই থমোইদা প্রেম পামজবনা॥ ১১৭

গৌর-কৃপা টীকা

ব্রজলীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা পামজবা (অনীংবা) অহুম থুংখিদে (পয়ার ১০৩ দা য়েংবিয়্), মাদনাখ্য-প্রেমগী চংজক্‌য়া (আশ্রয়না) নুংঙাইবা ফংখিদ্রা অদু ফংনীংবনা. 'পামজবা অহুমগী' মনুংদা অহানবনি; মাসি পয়ার ১০৪ দা হায়খিবা অনীংবা (বাঞ্ছা) অহানবা অদুনি।

১১৬। আশ্রয়না (শ্রীরাধানা) নুংঙাইবা অসি ফংননবগী (চাননবগী) উপায় অসুম-অসুম থিরকপদা শ্রীকৃষ্ণনা মপুক্কিংদা লেপ্লে, মাদুদি করিগুম্বদা মহাক্না মাদনাখ্য-প্রেম অসিদা চংজবা ঙম্রবদি, মাদু ওইরবতদা মহাক্না আশ্রয়না নুংঙাইবা অসি থঙবা ঙমগনি, নত্রবদি মাগী হোংনজবা পূম্নমক অরেম্বা ওইগনি

প্রেম অসিদা—মাদনাখ্য প্রেমদা, শ্রীরাধাগী প্রেমদা। প্রেমগী নুংঙাইবা—মাদনাখ্য-মহাভাবতা চংজরগা (আশ্রয় ওৌরগা) নুংঙাইবা ফংবা অদু।

পয়ার অসি ফাওবদা, অহানবা নীংবা (বাঞ্ছা) গী মরমদা শ্রীকৃষ্ণনা ফোংদোকপনি।

১১৭। পয়ার অসি গ্রন্থকারনা হায়বনি, শ্রীকৃষ্ণগী অহানবা অপাম্বা (অনীংবা, বাঞ্ছা) গী মরম লোইরে। অসি খন্দুনা—মথক্তা হায়খ্রিবা বাখল অদু। য়াম্না হরাওনা—আশ্রয়না (রাধানা) নুংঙাইবা অদু ফংনীংবনা খোরাংদুনা। প্রেম পামজবনা—প্রেম চানীংবনা; প্রেমগী তুংনক্তা (আশ্রয়না) নুংঙাইবা অদু ফংনীংবনা। অসুম হেনগংলকই—মৈদা থী অমদি শীং হাপচিল্লবদি অসুম অসুম মৈরী অদু হেনগংলকই; অদুগুমদুনা রাধাপ্রেম অদু চাবা ফংনবগী উপায় অদু লৌবা ঙমদ্রবদু চানীংবগী অপাম্বা অদুদি

এই এক শুন আর লোভের প্রকার।
স্বমাধুর্য্য দেখি কৃষ্ণ করেন বিচার। ১১৮
অদ্ভুত অনন্ত পূর্ণ মোর মধুরিমা।
ত্রিজগতে ইহার কেহো নাহি পায় সীমা॥ ১১৯

অর্থ :—

গাবয়ো ভনিশুবা অনাংবা মথল অমা।
কৃষ্ণনা খল্লী মশাগী মাধুর্য উরগা॥ ১১৮
নৈগী মাধুর্য্যাদি অভবপনা থনবনি।
মরোক্ত অগমদা কনাস্ত নাডু খভদনবনি॥ ১১৯

গৌর-কৃপা টীকা

ই কৃষ্ণগী থমোয়দা অস্ত্র ভস্ম হেনগংলবই। মহাত্মা য ম্মা খোবা না মাদনখা প্রেমদা চ সনগদবগী চপায অড়ণা চাংড়না লান।

অসিফাশনদা শাগাধায়া পণযনাডিনা নীদশো নচিংনা লোকী পুং দা মহানবা অনাগা (ন নং নাডা) গী মনম হাঙ্গিঞ্জবে।

১১৮ পদ ব ১০০দা হাঙখিবা অনীন পডমগী মথু না ওহ্নবং অনীংব হাঙ্গিগ্র-বনিন হৌভিক অনিশুনা অনাংবা হাঙ্গিজন ব্র।

পনীং মথল অমগা অনিশুনা ভপন। পযান অসিদ পুন্যাং ১১৩ ফ নবা অনীবা অনিশুনগী মনম উর্গনি। নগীগী নাবয়া শ্রী মং মশাগী নিংথিজ্জনা, ফজ্জবা।

১১৯। ই বাধান। শ্রীকৃষ্ণগী মাধর্য্যাগী অভকপা অড়ুনি, অংম পহবা অভকপা অড়ু শ্রীকৃষ্ণন্ত চ নংগী, মাসি অনিশুব ভনা বা অভগী মন। ভৎনা অড়ু ববিনো হাপবা অড়ু শ্রীকৃষ্ণন হাঙ্গিখিবা মতুনক ফোংদোকচন্নি। অভপা—কানংস ফম অমদা খক উবা যংদবা। থনবনি মাডুদা কবিং না শক বিন্দু মবিক্ত অমা মানবা মরুংনা লৈত্রবা। ঐগী মাধুর্য্যাদি—শ্রীকৃষ্ণনা ফজ্জবাদ। মরোক্ত অগমদা কৃষ্ণ এগী মাধুর্য্যাদি অংকপানি ভনগু মপান নাইদে হাঙ্গিদুনা ত্রিজগং নরোন গহ দা। পনা অমকনা

এই-প্রেমদ্বারে নিত্য রাধিকা একলি।
আমার মাধুর্য্যামৃত আস্বাদে সকলি ॥ ১২০

অর্থ :—

প্রেম অদুনা, নিতিগী রাধিকা মত্তোমদনা।
ঐগী মাধুর্য্য-অমৃত থক্লি মপুংফানা ॥ ১২০

গোর-কৃপা টীকা

তশেংনা চাবা ঙমদে। থাঙ্গৈশেংবমক মাধুর্য্য অদু অরোইবা লৈতে, ঙমখৈ লৈতে, মাদু তশেংনা ফোংনা চাবা ঙম্নস্ত য়াওদে। পয়ার অসিদগী পয়ার ১২৬ ফাওবদি শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গৈবনি।

১২০। অঙকপনি অমস্তুং মপান নাইদে হাঙ্গৈদুনা ঐগী (কৃষ্ণগী) মাধুর্য্য মপুং-ফানা ওইথোক্তবা ওইরবস্তু, হাঙ্গৈদোকপদা অঙকপগী মশক ওইরিবদি—মাদনাখ্য-মহাভাবনা শ্রীরাধিকানা নিতিগী ঐগী মাধুর্য্য অমৃতবু মপুংফানা থক্লি। শ্রীরাধিকা মত্তোমদনা ওইনি, অতৈনদি ঙমদে।

পয়ার অসিদা শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্যগী অঙকপা শিংথাবগী লোইনা-লোইননা রাধাপ্রেমগী অঙকপস্তু ফোংদোক্লে কনাগুম্বা অমত্তনা চাবা ঙমদ্রবা পোৎ, শক্তি পুন্নমক্কী মপু শ্রীকৃষ্ণনস্তু চাবা ঙমদ্রবা পোৎ অদু, রাধাপ্রেম্না (শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য অদু) মপুং ফানা চাবা ঙম্মী।

প্রেম অদুনা—শ্রীরাধিকাগী প্রেমগী বা মথক্তা শিংথাখিবা অদুম ওইবা মাদনাখ্য প্রেম অদুনা; নিতিগী-অতংপা লৈতনা, এতম পুন্নমক্তা। রাধিকা মত্তোমদনা—রাধা মত্তোমদা ওইবা, মী অত্তোপ্পা নত্তবা। শ্রীরাধিকা মত্তোমদনা মাদনাখ্য-প্রেমগী মপুনি (অধি-কারিণীনি), মরম অদুনা মহাক মত্তোমদনা শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্য মপুংফানা চাবা ফংবগী মকোক্লি। মপুংফান—য়াম্না চংখোন্না। শ্রীকৃষ্ণগী অত্তোপ-অত্তোপ্পা লোইনবশিংস্তু (ইমুং মনুং ওইবা মীশিংস্তু) মহাক্কী মাধুর্য্য চাবা ফংডী; তৌইগুম্নস্তুং মখোঙ্গশিং অদুদি মাধুর্য্যগী শরুক খক্তিক্তমক চাবা ফংবনি; শ্রীরাধা নত্তনা অতৈ কনা অমত্তনা মপুংফানা চাবা ঙমদে। (মাদুগী মরমদি মতুংগী পয়ার ১২৪ শুবদা য়েংবিয়ু।

রাধাপ্রেমদি বিভুনি (লাইনি, মপাম্নাইদবনি) হাঙ্গৈদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মপাম্নাইদবা মাধুর্য্য চাবা ঙম্মিবনি।

যদ্যপি নির্ম্মল বাধাব সৎপ্রেম দর্পণ।
তথাপি স্বচ্ছতা তাব বাঢে ক্ষণেক্ষণ ॥১২১
আমাব মাধুর্য্যেব নাহি বাঢিতে অবকাশে
এ-দর্পণেব আগে নবনবরূপে ভাসে ॥১২২

অর্থ

মংশেনগুঙ্গা সংলবস্ত রাধাগী প্রেম অড় ।
মিকুপ খুদিংগী হেন্না ন লকই তাবংবড় ॥১২১
ঙগী মাধুর্য্যদি হেনগৎফম লৈত্রবনি ।
মি খেনধ্বী ঙাংদদি নৌবা ঙেংলবনি

গৌব-কৃপা টীকা

১২১-১২ বাহ মা লাংপা থাই—লামীনা (খং লবি) মইথদি চানিংফ. নই অন পা লাঙনা পাকখবদি অমক চানীংফ. থোংন (চাবদা অপাদা পোংনবা। ংদগা চানা। নি মখ চ ননবা পে অড় ংডক মতিন যাগা লনিবা খু ংংখ বাবই, লোইংনস ংনীং ংডনা বাংন উগী .. দ। চাননবপে ৎ ডড় লোহ খন বাবমদি ংংনাংননী েরাং ডঙন পুনিংদা ংচাংবা ংং পোকই ংঙন, শী ফগী মবম্য ংংপুংফান থক্কুন (চাজন) চাং ননা বাং খড় বাবখবাদ শ্রী ংগী খে বাংপাঅ পাকপা ই অড়ণা চ. ংনা খৌবাব েচং খাংনা) অড় কনি না মখন কুম। মাধন। খড় ংপুফাংন ক্কুংন (চাজন) নংনা পী চচাব। শংদি লেখং খোংই মাসিং ংওথুং, ংক যাব ১১০ গা। মবী লনংন খাব ১২১ দ হাংজ্জনি নাংদি কৃষ্ণমাধবা চাং খোব ন। মেইব ন., মরমদি, পেন্না লোইংনদি কৃষ্ণমাধুর্য চানীংবী পৌবা নং অংন্নাংননা নাইংনি, শ্রীরাধাগী প্রেমদ নবি পগ ংংমদ লাইবা নাহদ, অড় (লাই) ওইবংন মিকুং খুদিংগী চাওথংল. মিকুপ খুদিংনী কৃষ্ণ-মাধবা চানংবী মতক চানা ংং হংং লী মবংঙনা চাননবা পোং অড় চাবিউগী মতমদা খোইব বা অড় বাম্না হেনডিংলবদি চাবিবা খোং অড়গা মুস অড় অংকৃপা ফংন মহাং হেনংযম খোকং, মতৌ অড়ংম্মা শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্য চানা-চানা প্রেম অম ং প্রেম মাধুর্য্যা চানবগী মতিকচাবা ংণ অড় অম্বন অন্ম হেনগৎলবই হাংজনা. বৃর্য। মং চাবন অঙকপস্ত অস্তং অস্তম হেনগৎলকই।

গৌর-কৃপা-টীকা

মবম অসিনা মাধুর্য্য রস চান চানা শ্রীরাধানা চানীংবগী খোঁরাংবা অদু লেপ্পা লৈতে (পোথাদে), অহাইনতুম খোঁধাংবা হেনগংলকই। "খোঁরাংবা কবা লৈতে, খোঁরাংডি হেক্না হেন্না। ১।৪।১২৯। ১সুং মতৌ অসুম্না চানা চান। চানীংবগী খোঁরাংবা হেনগংলকপগা লোঁইননা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্যসু অসুম অসুম হেনগংলকই, মাধুর্য্যগী অনৌবা অনৌবা অঙকপ মিকুপ খুদিংগী হেনগংলী শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য অদু মতৌ অসুম্না মিকুপ খুদিংগী অনৌ-অনৌবা অঙকপা মিকুপ খুদিংগী হেনগংলী, শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য অদু মতৌ অসুম্না মিকুপ খুদিং অনৌ-অনৌবা অংকপ ওইবা মখম্না মাতুগী চানবগী খোঁবাংবা অমসুং চাবদা নুংঙাইনা পোকপা অতুসু অসম অসুম হেনগংতুনা লৈ।

লংলবা—তক-তকবা, অনাংপা যাওদবা। রাধাগী প্রেম অথোইবা প্রেম, কৃষ্ণ নুংঙাইনবা নীংবা কামগন্ধ যাওদবা প্রেম, কেনলা প্রেম মিংশেন-মনাওা লনা পোংকী মমি তাবা উবা অদুবু মিংশেন কৌই। মিংশেনগী থোইদোকপা গুণ অমসু লৈ, মাতুদি, অবংবা মডাল লৈবা পোংক মনাদা থম্লবাদ মিংশেন অদুসু অমুক হেন্না লংথলকই অমসু মিংশেনদগী থোবকপা মডল অদুন ংবংবা পোং অদুদা তারুনা মাতুদা অমুক হেন্না লখংলকই। মিংশেন অদুন অদুক মতিক শেংলগা লংবগী ঙণ শি অদুকী মতিক হেনগংলী। শ্রী রাধাগী কামগন্ধ যাওদবা (মশাগী নুংঙাইবা যাওদনা) প্রেম মিংশেনগী মতৌঙম্না শিংথাব। মিংশেনগী মনাংদা লেবা পোং অদুগা মান অদু মশেন্না লৌশিনবা ঙম্মী, শ্রীরাধিকাগী লংলবা প্রেমনা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য লৌসিনব ঙম্মী, অদুনা মিংশেন্না পোংকী চপচাবা মমি লৌসিনবা ঙম্মী, মমি অদুগী কাবগুম্না মকমদা ঙনকপা (শেংদবা) যাওদে, অদুগুম্নতুনা কামগন্ধ (মশাগী নুংঙাইবা) যাওদনা অশেংবা রাধাপ্রেমনসু শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য ফজনা লৌসিনবা চাব ঙম্মু। অদুগা শ্রীকৃষ্ণগা মাধুর্য্য অমুক মহাকী ফজনগী মডান অদু; লুবনা মিংশেনগুম্লবা রাধাপ্রেমদা যৈবদা মিংশেনগুম্বা প্রেম অদু লংবা হেনগংখবে, মডান লেবা ফজবা হেনগংখরে। অদুগা মিংশেনগুম্লবা প্রেমগী মমি অদুনা অমুক শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্যদা তাবদা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য অদুসু অমুক ফজবা হেনগংলকই—মিকুপ খুদিংগী অনৌ-অনৌবা থোকহল্লী।

অরুংবদু—তরু তরুবা অশেংবদু, মমি তাবা য়াম্নবা অদু, শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য চাবদা মতিক চান্নবা অদু। অমকপা লৈত্রবা মিংশেলগুম্লবা রাধা-প্রেমগী অঙকপ মগুণ্ডি অসিনি,

গৌর-কৃপা-টীকা

প্রেম অহ্ নপুংকানা কজনা লুন। শেংখ্রে, অতুম্না শেংলবা অতুগী নথক্না অমুক খন্না হেন্না কজন হাপকংনীংঙাই শরুক লৈত্রবনি, অতুবু শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্যগী মমাংদদি লুবা, লংবা, ফজবা অড় মিকুপ খুদিংগী হেনগংলো। মাসিগী নর্ম্মদি—রাধাপ্রেমা কৃষ্ণ-মাধুর্য্য চাবা থৌগী শাক্তি নতিকচানা মপুংফানা লৈরবনি, অমুক চাওখৎনাংঙাই হেনগৎনীংঙাই লৈত্রবনি, তুবু মিকুপ খুদিংগী মাধুর্য্য চাবগী মতিকচাবা শক্তি অমসুং মাধুর্য্য চাবগী খৌরম সা হেনগৎরে।

ঐগী - নযাদি - নচিংবা—ঐগী (কৃষ্ণগী) মাধুর্য্যদি মপুংফারবনি, হেনগৎনীংঙাই অমুক লৈত্রবনি অতর্ রাধাপ্রেমগী মমাংদদি মাধুর্য্য অসি মিকুপ খুদিংগী নৌবা হেনগৎলকই; বাধ প্রেমগী মফমদদি ঐগী মাধুর্য্য অসি করিগুম্বা মতমদ। অমনবা অরিবা ওইবা যাদে, মতম পুম্নমক্না খঙখনস্ত মিকুপ খুদিংগী অনৌতা-নৌত্বনা—ইখঙ-খঙত্রিবদোনা নীংঙী. মিকুপ খুদিংগী অঙকপা অনৌ-অনৌবা পুথোকই (মমন অসিনা শ্রীরাধানা লিশিংচামবব হন্না শ্রীকৃষ্ণবু উপ্রবরে অমুক হন্না উবা মতমদা পুক্নিংদা কবি নীংবগে হাঈবদা শ্রীকৃষ্ণগী অঙকপা মাধুর্য্য অসি নমাংঙৈদা অমুক্তা উখিদ্রি। হৌজিক উবিবা অসিন চহান্‌বনি হাঈন নংঙী। মসিন অতুনা উনীংবগী খৌবাংনা অমসুং উনরগা নু ভাইবা পোকপা অড় নবিগুম্বা মতমদা অপেনবা লৈতে, উননীংবগী খৌরাংবস্ত কবিগুম্বা মতমদা পোকপ (ফবা) ভমদে। নীনা হেল্লিরবনি —অনৌ-অনৌবা লৈংনা অনৌ-অনৌবা মকোক পুথোকই।

শ্রীমদ্ভাগবতকী "গোপাস্তপং কমচরন" নচিংবা ১০।২৪।১৪ শ্লোকী বৈষ্ণব-তোষনী টীকাদ ইরি, "নব্য এব -দৈকরূপত্বেন পশ্যন্তি চেত্তদা নাসকৃৎ চমৎকারঃ স্যাত্তত্রাহুরনু সবেতি- নতুন লৈনা খিবে। শ্রীকৃষ্ণগী মশাক অসি অমত্তা ওইন যেংলবাদ (উরবদি) অঙকপা শরুক যাওদে, মাসিন পাউথুমদি হায়জ্জাব—'অনুসবাভিনবং' শ্রীকৃষ্ণগী মশাক মতম লৈনা খিবকু শক অনৌতা ওইনা উদে; নাতু মিকুপ খুদিংদা অনৌতা-নৌবা শক ওইনা উই।" অনুসবাভিনবং শব্দগী টীকাদা শ্রীরাধাস্বামিপাদনা ইবখী "এবম্ভূতং নিত্যং নবীনংরূপং— শ্রীকৃষ্ণগী রূপতি নিত্যগী নৌই।"

মম্মাধুর্য্য রাধাপ্রেম দোঁহে হোড় কার।
ক্ষণেক্ষণে বাঢ়ে দোঁহে কেহো নাহি হার ॥ ১২৩
আমার মাধুর্য্য নিত্য নবনব হয়।
স্ব স্ব প্রেম অনুরূপ ভক্তে আস্বাদয় ১২৪ ॥

অর্থ :—

ঐগী মাধুর্য্য রাধাপ্রেমগা ফজরা তান্নরি।
কনাস্থু ৱাংনদে মিকুপ খুদিং হেনগৎনরি ॥ ১২৩
ঐগী মাধুর্য্যদি নিত্তিগী ইনৌতা নৌই।
ভক্তনা মশাগী প্রেমগী মতুংইন্না চাঈ ॥১২৪

গোর-কৃপা-টীকা

১২৩। মথক্কী পয়ার অনিদা হাঙ্গৎখরে, কৃষ্ণ-মাধুর্য্যগা মমাংদা শ্রীরাধাগী-প্রেমস্থু হেনগৎলী, অতুগা রাধাপ্রেমগী মমাংদা কৃষ্ণ-মাধুর্য্যস্থু হেনগৎলী। মতৌ অসুম তৌদুনা অসুম-অসুম হেনগৎনরকপা অসিনা অনিমক মফম অমদদি থুংবা তার, থুংগদৌরিবা মফম অসিদগীদি অমুক হেন্সিন্না চংশিনবা য়াফম থোক—মফম অতুদদি মখোঈগী হেনগৎনরকপা চাওখৎপা তান্নরকপা অতুস্থু লেপ্পা তারে। হাঙ্গৈরিবা অসিনা ওইবা থোক্লবদি, অতুম ওইবা মফম অতুদদি মাধুর্য্য চাবগী পেন্দবা খোঁরাংবা অতু লৈররোই (লেপ্পগনি) অমস্থুং মাধুর্য্য-প্রেম চাবগী অওকপস্থু মাওথ্রগনি। অসুম হাঙ্গৈনা আপত্তি তৌরকপা য়াই হাঙ্গৈনা চিংনতুনা হাঙ্গৈরিবনি (মরৈ য়েংফম লৈতনবগীদমক) ঐগী মাধুর্য্য-নচিংবা। রাধাপ্রেম অমস্থুং অমস্থুং কৃষ্ণ-মাধুর্য্য অনিমক অসুম-অসুম চাওখৎলকপা অসিনা করিগুম্বা মফম অমদা লেপ্পা লৈতে : অমগা অমগা পান্নদুনা চাওখৎনরি, হেনগৎনরি মখোই অসুমা হেনগৎনবা হোৎনবা অসিদা (হেনগৎপা তান্নবা অসিদা) অমনা অমবু মাঈথীবা পীবা ডমদে।

ঐগী মাধুর্য্য—ঐগী (শ্রীকৃষ্ণগী) মাধুর্য্য, নিংথিজবা। তান্নরি—শীংনরি। রাধাপ্রেমা কৃষ্ণ-মাধুর্য্যদগী হেন্না ফজবা পাম্মী, অতুগা কৃষ্ণমাধুর্য্যস্থু রাধাপ্রেমদগী হেন্না ফজবা পাম্মী ; মতম লৈবা খিবিক্তা অনিমক হেনগৎনবা তান্নরি। কনাস্থু রাংনদে—কনাস্থু মাইথীনদ্রি। অসুম হাঙ্গৈনা হেনগৎনরকপা (চাওখৎনরকপা) অসি অনাদি কালদগী-(লৈশেমত্রিঙৈদগী) তৌরক্লি প্রলয়গী মতুংদস্থু তৌগনি। ঝামটপুরগী লাইরিক্তদি পয়ার ১২২।১২৩ য়াওদে ; চিংথবা ওইরমাদ্রে।

১২৪। মিৎনা উবা পোৎপু খ্বাই অয়াম্বনস্থু চপ মান্নবা উই। মী তরাগী মমাংদা চফু অমা থম্নবদি, মী খুদিংমক্কা চফু অতু মপূং ফানা ফজনা উবা ওম্মী—কনাগুম্বা অমনা রাংনা

গৌব-কৃপা টীকা

কনা অমনা হেন্না উদে। শ্রীকৃষ্ণবু—ব্রজবাসী পৃন্নমরা মিংনা উস, মবম অতুন। ব্রজবাসী পৃন্নমক্ষা অ.স্থং কনাগু ন অমনা শ্রীকৃষ্ণগী মমাংদা লেপ্ন্‌ববদি মহাকস্ন শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্য অতু খ্যাইগা মান্নন উবা ভমগনি (চাবা ভমগনি)—মাসি মহৌশানি। অতু ওইববদি, মথক্কী ৴যব ১২ দা কবিগী হাঙ্গৈবিবনো—শ্রীবাধা মতোমদনা কৃষ্ণ মাধুর্য্য মপুং ফানা চাবা ভত্মনি (অতৈন্দি ভমদে)। অতৈ কনাগুস্না অমনা ভস্নাইদৌরিবনা কবিগীনো? বাহং অসিগী পান্থুম পযাব অসিদা থুমজবি।

৷কো৷৷ থ থোক্লগা খ্যাই পৃন্নমক্ষা এাতু চপমান্ননা উবা ফংদে, মী অতুগী উবা ভস্নগা শক্তি লৈব অতুতনা থা উবা ভস্মী, উব ভস্ব॥ শক্তি লেত্রবা, মমিং তাওবা মী ৷নৈদি চবা েমদ। মবম অতুনা থাবু উবা ভস্ননবগী মবম অসি ভনবগী ইন্দ্রি মিংনা (মবা ৴ইবা) মবম থোকই, আকাশতা লৈবিব থাগী শ৴না উগদবা নত্তে। মী অতুগী ভনননগী শক্তি লৈত্রবাদ অতুগা তাবা ভস্বগী শক্তি, মনম লোবা ভস্বগা শক্তিদি লেবা, অতু ৴ইববস্থ আকাশতা থা থাক্লবস্থ মহাক্লা থা উবা ভমদ—মাসিনা খওনবিবদি মি কোবা ইন্দ্র ৷ ৷ অসিতনা উনননগী মব৷ ৴ই, অতোপ্পা ইন্দ্রনদি উনননগা থবা প থোবপ ভ.দে। মতৌ অস্নুম তৌতুনা ইন্দ্রি মখল-মখলনা মখল-মখল ৷ইবা পো৷ লাই, কবিগুস্থ হান অমনা কবিগুস্ব পো৷ অ.ব হেক পৌবা হাঙ্গৈর্বস ৷ইথোক্লনি। অতুগা অথ৷ ৷ইব ইন্দি অতুগা চনব পা লৌবা তাববদা ইন্দ অতু৷ ৷৷ অ৷৷ অতুক্‌। ৷তক মপুং ফাবগা লৌগদৌনিবা পোং অতুস্ন অতুক্কী মক্তিব মপুং যানা লৌব মেগনি। মী অতুগী উবা ভস্বগী শক্তি (দষ্টিশক্তি) মপং বাদ্রবাদ আকাশতা ৷াবব থাগী ৷৷বনচিনস মপং যানা উবা ৷মাদ দষ্টিশক্তি হস্ববা ন৷ই. পোশব থওবস্থ স্তবস্থ থো৷প ৷৷৷ তাবনি।

হৌজিব উব৷নি, শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য৷ চানবগী (য৷নবগী) ৷বম কবিনি। কবস্না পাস্নৈনা শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্য চাবা থানগে? প্রেমতনা শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্য চাননবগী মনম ৷ই। "মপুং ফাবব অশেংবা ভাব প্রেম্না আথাইবনি। কৃষ্ণগী মাধুর্যী মহাৎ লৌনবগী উপাযনি॥১।৭।৪৫॥" .প্রম লৈত্রবদি মিং নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিনা কৃষ্ণ-মাধুর্য্য চাবা ভমদে। মবম অতুনা মী মযাম শ্রীকৃষ্ণগী মম৷দা লেপ্লিযু. মতোঙ্গৈগী মমুংদা শ্রীকৃষ্ণদা প্রেম লেবা মথোয অতুতনা ইবংভ। মাগী মাধুর্য্য চাবা ভমগনি. প্রেম লৈতবা মীশিং অতুদি মহাক্কী মাধুর্য্য অতু কবিস্ন

গৌর-কৃপা টীকা

চাথা (খঙবা) ঙম্নরোই। মনা পঙবা মীনা কোকিলগী নিংথিজববা থোঙ্গেল (স্বর) তাবা ফংদবগুম্বনি। ত্থ্র্যোধন্ম নিংথৌনা কৃষ্ণ উরবস্থ মশক খঙদে। প্রেম-লৈবা মীশিং অহুনস্থ চপ মান্নবা কৃষ্ণ-মাধুর্য্য চাবা ঙম্লোই—মানা মানা প্রেম থর-থরদং লৈজরিবা অহু, মাহুগী মান্নবা মাধুর্য্য অহুতা মফংগনি, মপুং ফান। প্রেম লৈবা মী অহুনা মাধুর্য্য মপুংফানা ফংবা ঙমগনি প্রেম অসি ব্রজবাসী পুন্নমক্তা চপ মান্নবা লৈতে—ব্রজবাসী খু দংমক্কী প্রেমগী থাক অসি ইমা॰-মান্নদে, শ্রীরাধা নত্তনা অতৈ কনাগুম্বদা প্রেম মপুংফানা লৈতে, মরম অহুনা কৃষ্ণ মাধুর্য্য খঙবা চাবা ঙমদে। মবম অহুনা, হাঙ্গনিবনি—শ্রীরাধা মতোমতনা শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্য মপুংফানা চাবা ঙম্মী॥' শ্রীরাধাগী প্রেমগী মতৌগুম্না অতৈ কনাদস্থ মপুং ফানা প্রেম লৈতে (শাংকাইদে), লৈস্থ লৈবক্লোই মরম অহুনা অতৈ কনা, ১তনা কবিগুম্না মতনদস্থ কৃষ্ণ-মাধুর্য্য মপুংফানা ফংনা ঙম্লোহ্ব। মবমদি, শ্রীকৃষ্ণদি স্বয়ং ভগবন্নি, অতৈ কনাগুম্বা অমনা কবিগুম্বা মতমদা ভগবান ওইবা যাদে (ঙমদে), অহুগুমহুনা শ্রীরাধাদি শক্তি পুন্নমক্কা মপুং ফানা লৈরিবনি, মাডোন্দতা প্রেম মপুংফানা লৈ, অতৈ অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা, কবিগুম্বা মতমদা শক্তি পুন্নমন্না তিনবা স্বরূপ শক্তি ওইবা ঙমদে, অতৈ কনাগুম্বশিংগী মস্থুংদস্থ প্রেম্না ॰পুংফানা শাংকাইব মাদনাখ্য মহাভাব লৈবা হৌনদ মনম অসিন অতোপ্পা কনাগুম্বা অমতনা শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্য মপুং ফানা চাবা ঙমদে

ঐগী মাধুর্য্যদি নিত্তিগী—ঐগী (শ্রীকৃষ্ণগী) মধুর্য্যদি অরেপ্পা পোৎনি, মহৌশান সিদ্ধ ওইবা পোৎনি (অমদি সিদ্ধ বস্তুনি) অমস্থুং নিত্তিগী ইনৌতা নৌই—মিকুপ খুদিংগী নৌহুনা লৈরিবনি, মিকুপ খুদিংগী অনৌ-অনৌবা অওকপ ওইরিবনি। ধুমগী থোংজিন মযাইদা থানবা থাওমৈগী মতৌগুম্ন "মাধুর্য্য" অমস্থং "ইনৌতা নৌই" হায়রিবা অনি অসিবু "নিত্তিগী" হায়রিবা মরী লৈনহল্লী। (থোংজিন মযাইদা থাওমৈ থমনদি ইমুংস্থ ওাশ্নী, মপানস্থ ওাল্লী, লম (মফম) অনিগী মযাইদা থাওমৈ অহু থম্মনা মমুং-মপান উবনি। অহুগুমহুনা "মাধুর্য্য" গা "ইনৌতা নৌই" গা হায়রিবা অনি অসিগী মযাইদা "নিত্তিগী" শব্দ অসি লৈবা মরম্না মথক্ অমস্থুং মথাগী হায়রিবা অসিবু মরী লৈনহল্লী)। অর্থ লৌকম্ থোকপনা :—ঐগী মাধুর্য্য নিত্তিগীনি (লেপ্পা, মাঙবা লৈতে), অমস্থুং ঐগী মাধুর্য্য নিত্তিগী ইনৌতা নৌই। ঐগী অরেপ্পা (অনাদিসিদ্ধ) মাধুর্য্য নিত্তিগী মিকুপ খুদিংগী অনৌ-অনৌবা শকুংং ওইহুনা ওাল্লী। তৌইগুম্বস্থুং মাধুর্য্য অসিনা নিত্তিগী ওান্দুনা লৈববস্থ হায়রিবদি

দর্পণাদ্যে দেখি যদি আপন মাধুরী
আস্বাদিতে লোভ হয়, আস্বাদিতে নারি ॥ ১২৫

অর্থ :—

মিংশেন্দা মশাগী মাধুরী উকববদি।
চানীংবগী অপাম্বা পোকই ওমদে চাবদি ॥ ১১৫

গৌর-কৃপা টীকা

অমাওবা লৈবা অবেপ্পা ওইবনস্তু পেম লৈতবা মী পুন্নমক্রদি থডদে, ঐগী মাধুর্যদি অনাদি কালদগী (সৃষ্টিগী মমাংদগী) লৈবক্লি নি। প্রেম লৈবা ভক্তশিংনা ঐগী মাধুর্য খঙবা ঙম্মী। প্রেম লৈববা মথোঙ্গীশিং অত্তস্তু মাগী-মাগী-মশাগী প্রেমগী মতুং ইন্না হাঙ্গীবদি পেম যাম্না লৈবা, খজিক্কা লৈবনচিংবগী মতুং ইন্না যাম্না খঙবা, খজিক্ক খঙবা ঙম্মি। মাতে অস্পন্ন মাধুর্যবু ভক্তন খঙনরি (চানরি)।

ভক্তনা।ঙি—ভক্ত নপ অতোপ্পা মীনদি কবিগুম্মদস্তু কৃষ্ণমাধুর্য চাবা ঙমদে হাঙ্গীবা ফোংদোকপনি। ঙম্লকদবা রাস্তু লৈতে, মবমদি, কৃষ্ণমাধুর্য চাননবগী (আস্বাদন তৌননবগী) মবনদি প্রেমতনা, ভক্ত নত্তবা অতোপ্পদদি প্রেম অমি লৈতে। মাধুর্য—হৃদচাংনা ফজবখিনিব শিংথাবা মেদনা তুংতন লেনবা অতুব মাধুর্য। কৌই, পুরিংবব।

১১৭। পয়ার ১১৮ দ হাঙ্গীখবে "কৃষ্ণনা খল্লী মশাগী মাধুর্য উবগা। শ্রীকৃষ্ণনা মশাগী মাধুর্য অত্তু বুদাইদ উবনগে অমস্তং কবম লৌনা মশাগী মাধুর্য চপ্পীংবগী অপাম্বা পোকখিবগে, মাত্তু হাঙ্গীজবি। মিংশেন্নচিংবদা মশাগী মাধুর্য উবনগা মাত্তু চপ্পনবা দমক শ্রীকৃষ্ণনা অপাম্বা পোকখি

মিংশেন্দা—শকাযেংমিংশেন্দা অমস্তং মনিগী ককাংনচিংবদা মশাগী শকল্তুগী মমি তাবদা। ওমদে চাবদি—মশাগী মাধুর্য চপ্পীংবগী অপাম্বদি পোকই ওইপুনস্তং ওমদে চপ্পদি, মবমদি, চপ্পনবগী উপায় লৈতে।

মশাগী মাধুর্য চাবা অপাম্বা অত্তনা শ্রীকৃষ্ণগী অনিগুবা অমংবনি (বাঞ্ছানি) হাঙ্গীবত্তু ফোংদোকচবে।

বিচার করিয়ে যদি আস্বাদ—উপায়।
রাধিকা স্বরূপ হৈতে তবে মন ধায়॥১২৬

অর্থ :—

চাবা ওন্নবগী উপায় থিবা হৌরক্লে।
রাধিকাগী মশক ওইগে হাঙ্গিতুনা খল্লক্লে॥ ১২৬

তথাহি ললিতমাধবে (৮।৩২)—

অপরিকলিতপূর্ব্বঃ কশ্চমৎকারকারী স্ফুরতি মম গরীয়ানেষ মাধুর্য্যপূরঃ।
অয়মহমপি হন্ত প্রেক্ষ্য যং লুব্ধচেতাঃ সরভসমুপভোক্তুং কাময়ে রাধিকেব॥২০

গৌর-কৃপা টীকা

১২৬। মশাগী মাধুর্য্য চাবা ফংনবগী উপায়গী মরমদা বিচার তৌবদা খঙবা ওয়ে, শ্রীরাধাগী প্রেমতনা ঐগী মাধুর্য্য মপুংফানা চাবা ওন্নবা উপায় ওইগনি ; অসি খঙলতুনা শ্রীরাধাগী প্রেম লৌতুনা শ্রীরাধাগী মশক (শ্রীরাধা-স্বরূপ) ওইনীংবনা পুক্নিংদা য়াম্না খৌরাংলে।

শ্রীকৃষ্ণগী অনিশুবা অনীংবা (বাঞ্ছা) থুংনবগী উপায়দি রাধাভাব লৌবনি, হাঙ্গিবা পয়ার অসিদা ফোংদোকচরে।

রাধিকাগী মশক—শ্রীরাধাগী ভাব লৌতুনা মরম পুন্নমক্তা মহাক্তা মাংগে হাঙ্গিনা নীংবা।

শ্লো।২০। অন্বয়। অপরিকলিতপূর্ব্বঃ (মমাংলৈদা উথিদ্রিবা) চমৎকারকারী (অঙকপগী মশক ওইবা) কঃ (কয়াদা) গরীয়াণ (পুন্নমক্তগী অথোইবা) এষঃ (অস্মুম ওইবা) মম (ঐগী) মাধুর্য্যপূর (মাধুর্য্য পুন্নমক) স্ফুরতি (ফোংদোক্লি) যং (মাতু-মাধুর্য্য পুন্নমক অদু) প্রেক্ষ্য—(উতুনা) অয়ং (অসি) অহমপি (ঐসু শ্রীকৃষ্ণসু) লুব্ধচেতাঃ (পুক্নিং লুপ্পা) [সন] (ওইতুনা) রাধিকাইবা (শ্রীরাধিকাগী মতৌগুম্না) সরভসং (অপাম্বগা লোইননা) উপভোক্তুং (চাগে হাঙ্গিবগী, ফংগে হাঙ্গিবগী) কাময়ে (পাম্মী)।

অনুবাদ। অরংবা মণিগী ফল্লাংদা মশাগী মমি তারিবা মাধুর্য্য অদু উরগা শ্রীকৃষ্ণনা ওকুনা হাঙ্গিরকই—"ওম্মোকপনি! মমাংদা উথিদ্রিবা কয়াদা অঙকপগী মশক ওইখ্রবা অমসুং পুন্নমক্তগী অথোইবা ওইবা শিংথাবা ওন্নরোইদবা ঐগী—মাধুর্য্য পুন্নমক্তা তিনবরু ফোংদোক্লে—মাসি উরবগা ঐসু পুক্নিংনা শ্রীরাধাগী মতৌগুম্না অপাম্বগা (খৌরাংবগা) লোইননা চাবা পাম্লে।" ২০

গৌর কৃপা-টীকা

অপরিকলিতপূর্ব্ব—মাহ্ মমাংঙৈদা কৰিগুম্বদা খঙখিদ্রিবা। মাসি "মাধুর্য্যপূর" বিশেষণনি, শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্যগী অঙকপা গুণ অমা লৈ, মাহুদি উরং-উকবা মতমদা অসিগুম্বা মাধুর্য্য অসি মমাংঙৈদা থক উখিদ্রি অমুম্মা নীংবা, অসুম হায়না পুক্নিংনা নীংবা অসি অতোপ্পা মীসু নীংঙী, স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণসু নীংঙী। শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্যনা নিতিগী অনৌবতা ওইবা মবম্মা অহুম্না তৌবিবনি। চমৎকারকারী—অঙকপগী মশক ওইবা, রাধাগী রাংমদা লৈবা কবিগুম্বা পোৎ অমা উকবগা অঙকপা পোকই। শ্রীকৃষ্ণগা মাধুর্য্য উবগসু অহুম হায়না ওক্কই—অতোপ্প মীসু ওকই, স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণসু ওকই। গরীয়ান—অতৈ মাধুর্য্য পুম্নমক্তগী অথোইবা। অহমপি—ঐসু। মপুং ফাবা (পূর্ণ) আত্মারাম, অবেপ্পা ওইবা পোংনা, কবিগুম্বা পোৎ অমা উবগা ওকপ হৌনদে। তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্যদি অমুক্কী মতিক অঙকপা ওইখবে, শিংথাবা ওমদবা শক্তি লৈখরে, মাহুনা পূর্ণ ভগবান শ্রীকৃষ্ণবুসু ওকহল্লী। হন্ত—অরাবা। মশাগী মাধুর্য্য উবগা শ্রীকৃষ্ণনা যাম্না অপাম্বা পোকখি, মাহু চানীংবগা অপাম্বা অহু থুংবা ওমদে, ওমদবা মবম্মা অবাবা পোকই। মশাগী মাধুর্য্য চাবা ওমদবগী মরমদি, অসিনি, মাদনাখ্য-মহাভাব (শ্রীরাধিকা ভাব) ওইবা ওমদ্রবদি শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্য ফোংনা চাবা (আস্বাদন) ওমদে, শ্রীকৃষ্ণদি মাদনাখ্য-মহাভাবকী বিষয়ান (মপুনি)—আশ্রয় নত্তে, অহুনা রাবনি।

রাধিকের—শ্রীরাধাগী মতৌগুম্না। শ্রীরাধাগী ভাব লৌহুন শ্রীরাধাগী মতৌগুম্না প্রেমগী তুংফম (আশ্রয়) ওইনা মশাগী মাধুর্য্য চাননবগীদমক শ্রীকৃষ্ণগী অপাম্বা পোকখি।

অথম অহমপি—মাসি এসু, মহাকী মমি চিংশেনদা তার, মাহু এসু। মহৌশানা কনাসু মশাগী মাধুর্য্য অহু চাননবগা (আস্বদনগী)দমক অপাম্ব পোক্নদে, মশাগী মাধুর্য্য অহুদি মহাক্না মুংশিবা মীদা চাহন্নীংঙী। তৌইগুম্বসু শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্যদি অমুক্কা মতিক অঙকপা ওইখবে, মাহু চাননবগীদমক মপু যাবর আত্মারাম শ্রীকৃষ্ণগা যাম্না অপাম্বা পোকখি। "কৃষ্ণমাধুর্য্য মহৌশাগী শক্তি অমা লৈ। কুচনচিংগী মুপী-নীংগা ওকহনবা শক্তি লৈ॥ ১।৪।১২৭॥" সরভসম—অপাম্বগা লোঈননা, খৌরাংবগা লোঈননা। শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্য চাননবগীদমক শ্রীরাধানা খৌরাংনা পোকই, শ্রীকৃষ্ণদর্শনচিংবা ওইবদা, মাধুর্য্য অহু চাবা ফংঙী, তৌইগুম্বসুং মাহুদা খৌরাংবা ফবা লৈতে, যে ইনহুম খৌরাংবা হেনগৎলকই। "খৌরাংবা ফবা লৈতে, খৌরাংঙী হেন্না হেন্না। ১।৫.. ॥ শ্রীকৃষ্ণনা হায়খি—"মিকুপ থুদিংদা

কৃষ্ণমাধুর্য্যের এক স্বভাবিক বল।
কৃষ্ণ-আদি নবনারী করয়ে চঞ্চল। ১২৭

অর্থ :

কৃষ্ণ মাধুর্য্য মহোশাগী শক্তি অমা লে।
কৃষ্ণনচিংবা নুপী-নাপা ভকহনবা শক্তি লে ॥১২৭

গৌর-কৃপা-টীকা

অনৌ-অনৌবা খৌবাংবগা লোঈননা শ্রীরাধানা ঐগী মাধুর্য্য চাবা অদুগুম্না মিকুপ খুদিংদা অনৌ-অনৌবা খৌবাংবগা লোঈননা ইশাগী মাধুর্য্য চাননবগীদমক ঐশ্মু প্রপাম্বা পোকই।"

মথক্কী পয়ার অনিগী প্রমাণ ওইনা শ্লোক অসি উচ্চরি।

সুহই। (শ্লোক অসিগা নাতৈ চানবা ঈশৈ)।

আমার গৌরাঙ্গ জানে প্রেমের মরম।
ভাবিতে ভাবিতে ভেল রাধার বরণ ॥
রা বোল বলিতে পূর্ণিত কলেবর।
ধা বোল বলিতে বহে জল নয়নের ॥
ধারা ধরণী সঘনে বহি যায়।
পুলকে পূরিত তনু জপে নাম তায় ॥
মননিমগন গৌরী-ভাবের প্রকাশ।
এক মুখে কি কহব যদুনাথ দাস ॥

শ্রীশ্রীপদকল্পতরু ৪র্থ শাখা।
১৭ ॥ ২১২৫।

১২৭। নী ৃাইনা উবা ফংনরি, মশাগী নিথীনা—মাধুর্য্য অদু অতোপ্পবু চাহন্নবগী (অতোপ্পদা উংননবগী) দমক মাশিংনা তোৎনবি, তৌইংগ্নং মশাগী মাধুর্য্য অদুদি মশানা চাননবগীদমক্কি মহোশাদগী কনানন্দ তোৎনবা উদে। ফিবম অসিদা মিংশন্নচিংবদা মশাগী মাধুর্য্য উবগা, মাদু চাননবগীদনক শ্রীকৃষ্ণনা মাম্মা খৌবাংঙৌ, খৌরা লুবিবা অদু নরি মবমগীদমরে হাঙ্গংদু পযার ১২৭—১৩৪ হাঙ্গজরি। শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্যগী মহোশাগী লোঈনবকপা বর্ণদি অসিনি, মাদুনা পুম্নমকপু কাব অম্ভক হাঙ্গগনি স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণ ফাওবদ ভকহন্দুনা মাধুর্য্য অদু চানাংবনা থপথনা লৈবা ঙমহন্দে। শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্যগী অসুম ওইবসি মহোশাগী ধর্ম্ম ওইবনা মাশাগী মাধুর্য্য অদু চানীংবনা লাংতক্লে।

মহোশাগী শক্তি মশাগা কোন্নবা মহোশাগী ধর্ম্ম কৃষ্ণনচিংবা নুপী-নাপা—কৃষ্ণদগী তোঙ্দুনা নুপী নাপা। পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্যনা অতোপ্পা নুপী নীপা পুম্নমকপু চিংশিল্লী,

শ্রবণে দর্শনে আকর্ষয়ে সর্ব্বমন।
আপনা আস্বাদিতে কৃষ্ণ করেন যতন॥ ১২৮

অর্থ :-

তাবদা মাগী পুক্লিংবু চিংশিল্লি।
কৃষ্ণনা মশাগী মাধুর্য্য থক্নবা চেকশিল্লী॥ ১১৮

গৌর-কৃপা টীকা

তদুদগী হেন্দোক্তনা স্বযং শ্রীকৃষ্ণ মশাবুস্থ চিংশিল্লী। শ্রীকৃষ্ণনা শক্তি পূম্নমক্কী মপূ ওইরবস্থ চিংশিনবা অসিদগী লৈথোকপা ভমদে—ইবুঙো মহাক্কা মাধুর্য্যগী শক্তিদি অস্তক য়াম্না কনগ্রবান ভকগ্রবনি. মশাগী মাধুর্য চানীংবগী অপাম্বা অদু মহাক মশানা থাম্বা ভনদে অস্তক্কী মতিক পামজথবে, মহাক্কী মাধুর্য্য অদু শিংথাবা ঙম্বা নতে, শ্রীকৃষ্ণদি নাপানি, নাপাগী মাধুর্য্যবু মপীনা চানাংবা পোকপনি, মহৌশানা নীপানদি পোক্কে; তৌহণ্ডনস্থ শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্যদি নীপানস্থ চানাংবা পোকহ লাইবক ফবা জীবশিংদা চানীংবা পোকহনবতা নত্তনা "কোটি বহ্মাণ্ড পরব্যোম, তাহা যে স্বরূপগণ, ত সভাব বলে হরে মন। পতিব্রতা-শিরোমণি, য বে বহে বেদবাণী আকর্ষয়ে সেহ লক্ষ্মীগণ ॥২।২১।৮৮॥" কোটি ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিব জীবশিংগী পুক্লিংবু বলাৎকাবনা হুবি। উ-অকংবা (শাং) দগী মপোকই, অদুগা উ-অকংবদা লে থম্মি, মৈনা শাংবু চাকই, অদুন মেগী লমচংতি চাকপা হাঙবা অসিনি—অদুগুমদুন শ্রীকৃষ্ণগী মশাগী মাধুর্য্যনা মশাগী লেফম তংনফম ওইরিবা শ্রীকৃষ্ণবুস্থ চানা হল্লী (খাবাংহল্লী), মরম অদুনা কৃষ্ণ মাধুর্য্যগী লমচংতি চানাংহনবা পোকহনবা অসিনি, দেশ-কাল মতিক চাবা চাদনা মতম ওইবা হেদবা যে দে (ভংইরে) ভাংহনবা শক্তি—চানীংবগী (ফংনী বগী) খোবাংবা অদু য়াম্না পোকহন্দুনা তপথনা ংবা ভমহন্দে।

১১৮। শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্য ভরা॥ চুপনীংবগী অপাম্বা পোকহ, মাধুর্য্য। ঁহু রবা অদু মাগী চিন্দগী তারবস্থ অপাম্বা তোং মতো অসি কৃষ্ণ-মাধুর্য্যগী স্বভাবনি, ববিগুম্বা ইন্দ্র অমনা বরিগুম্বা মও অমা তোড়ুনা চজকরবাদি মশাবু (মাধুর্য্য মশাবু) চুপহন্নলগীদমক য়াম্না খোবাংহল্লা। মরম অদুনা লিংশেন্নচিংবদা মহাক্কী মমি তাবা অদু উবগা অমস্তুং মমি অদুদা। লৈরিবা মাধুর্য্য অদু উবগ চানবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা লা তন্নে, চানা ফংনবগী উপায় থিরকই।

এ মাধুর্য্যামৃত পান সদা যেই করে।
তৃষ্ণা-শান্তি নহে, তৃষ্ণা বাঢ়ে নিরন্তরে॥ ১২৯
অতৃপ্ত হইয়া করে বিধির নিন্দন।
'অবিদগ্ধ বিধি ভাল না জানে সৃজন॥ ১৩০

অর্থ :—

থকচরবসু মাধুর্য্য অমৃত তত্তনা।
খোয়াংবা ফবা লৈতে, খোরাংঙী হেন্না-হেন্না ॥ ১২৯
বিধিবু নিন্দা তৌরকই পেংক্রুত্নুনা।
'অপঙব' বিধিনা হৈতে শেম্-শাবা নিংথিনা ॥ ১৩০

গৌর-কৃপা টীকা

তাবদা কৃষ্ণ মাধুর্য্যগী হারী তাবদা। উবদা—কৃষ্ণ মাধুর্য্য কনাগুম্বা অমনা উবদা। চিংশিল্লী চানীংবনা লাংতক্কে। পুক্রিং—পুন্নমক্কা পুক্রিং। মাধুর্য্য থকুবা—মশাগী মাধুর্য্যবু চাননবা।

১২৯। কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা পোং অমবু পামবদি (চানীংলবদি), মাহু হেক চাযগা অপাম্বা অহু কোকই মাসি মহৈশানি; তৌই গুম্বহুং শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্যগী মরমদদি নিয়ম অসি চৎনদে; শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্যদি চারিবা মখৈ পেন্বা লৈতে, খোইনা হেন্না চানীংখৎলকই; মতৌ অসি শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্যগী অঙকপা স্বভাব অমনি।

মাধুর্য্য অমৃত—প্রমাণ তৌকন, চাংতম্নফম্ লৈত্রবা অঙকপগী মশাক হুইত্রবা য়াম্না হাওত্রবা পোং অমনি। খোয়াংবা ফবা লৈতে—অঙকপা লৈতে। খোয়াংঙী হেন্না-হেন্না—চারিবা মখৈ পেনবা লৈতে।

১৩০। শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য চাবা পামজরবা ভক্তশিংনা মাধুর্য্য অহু চাবা ফংজরবসু চাবগী অমুক পেনবা লৈতে; চার-চারগা চানীংবা অহুন অহুন হেন্লকই; মরম অহুনা করিগুম্বা মতংদা চাবগী অমুক অপেনবা লেতে—অপেনবা লৈরক্তবা মরম অহুনা সৃষ্টি কর্ত্তা-বিধি তাদা (ব্রহ্মদা) নিন্দা তেরকই—নিন্দা মতৌদি বিধাতানা (ব্রহ্মানা) জগৎ শেম্বা মতমদা হৈ-শিংবা মাংপগী নীংবা মতুং-ইন্না পেন্নবা কৃষ্ণ মাধুর্য্য চাজব ঙমদরে।

বিধিবু নিন্দা তৌইরকই—সৃষ্টিকর্ত্তা বিধাতাবু নন্দ (থীনা হাংনৈ) তৌরকই। করম হায়্না নিন্দা তৌবগে হায়্বদু মতুংগী থংনবা পয়ারদা কোংদোক্লি।

কোটি নেত্র নাহি দিল, সবে দিল দুই।
তাহাতে নিমিষ কৃষ্ণ কি দেখিব মুঞি ॥'১৩১

অর্থ

মিং কোটি পাবিরমদনে অনিদ পীরম্লে
যেংবগী পেনবা নাইদ্রিভৈদা মিংস্ক বুপাইম্লে ॥'১৩১

গৌর-কৃপা টীকা

তপভব=হে শিংদবা, স্টিগী মবকা হেৎশি দন। বিধি—বিধাতা, সৃষ্টিকর্ত্তা। আপননা লৈরকদুনা তনা হাঈগকুইং—"সৃষ্টি দবকা বিধিতানা নাঃ অমতা হৈবা লৈখিদরে, বিধি যাম্না পভথবে মবম অতুনা মতিক চানা স্টি। থমক পাঙথোকপা ঙমদবে।"

১৩১। মি কম্না ইনব মিং কোটি কোটি পনকম্নগী শ্রীকৃষ্ণগী নিংথিজনদা হাঈজাংদাইদ লৈরব মাধুর্য্য কি খুদিঙী ইবৌ। নৌঠুনা সৈবা, তড় চাক্সবদ পা পেন্না মুই [illegible] বিধ তান এবু মিং কোটি অমা পনবদ পানাব নাবা—শুপ্না মিং নিংখ। পাংলা মত, পানাবনে পানাবনে মিং তাংখনো, মাতুদম্ মিংকুপ্না নাইতহবি [illegible] ( ) নুনা মিং [illegible] না [illegible] খনদা চাক্সনবনি এতুম [illegible] দি [illegible] যাদে হাঈনা নীংজগদবনি। [illegible], মতুম থোকবে মিং অনি অ দা [illegible] পুপ্প না ইমুম [illegible] না কুমব পেন্ন যেংজনা কর্জনি মখো নম্না ইবুং ও মহক্কী মধুর্য্যবু চানিং [illegible] থোবাংবনা লৈকন খঙদতুনা (পতবা [illegible]) শিনা তবমান্দ্র হঈনা [illegible]। অতুদা, য়াম্না হাও বগদবা, লুবব ঈশিংনা থল্লা সম্মু [illegible] থু [illegible] থোনি, থ [illegible] থম্না থম্না থকদা ঈশং চৌব অচু লাইনবা থনপা [illegible] হঈনা [illegible], [illegible] ঈশি অচু লেইননক (ভন্নমক) [illegible] থমতুনা খাংনু [illegible] খুজক [illegible] থবপ কংদজন লৈরিভৈদা মিকু। থনা তুংদা [illegible] থো [illegible] পক [illegible] [illegible] বিন্দু গনা অনিদং লৈযেংদা [illegible] থোরানা কোকপদি লাঈ চুনা, মৈদা মী হু মনদোনা, থোরাংবনা চক। অতু ইংলনকন যোকহ, নতৌ অতুঙম ভাকহাক লৈতনা মিংকুপ্না নাইবনা মিং নি অদিনা, হাঈকম থতেনা চক্লাংভাহ এবা মাধুর্য্যগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী মাওদা লৈকরবম্ভ মাধুর্য্য থোবাংবনা চাকপা মতু শকক কোটি

তথাহি (ভা, ১০ । ৩১ । ১৫)—

অটতি যদ্ভবানহ্নি কাননং ত্রুটির্যুগায়তে ত্বামপশ্যতাম্।
কুটিলকুন্তলং শ্রীমুখঞ্চ তে জড় উদীক্ষতাং পক্ষ্মকৃদ্দৃশাম্ ॥২১

গৌর-কৃপা টীকা

কোটি হেনগৎলকই। বিধাতা অসি কয়াদা নেংক্লনীংঙাই ওইরিবা! মূর্খ বিধাতানা সৃষ্টিগী থবক তৌরগা, মতিক চানা শেম্না হৈতরে—হৈরবদি কৈদৌহৈদস্মু অস্মূম্না তৌরম্লোইদবনি; শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোংবু য়েংজনীংবা মী অতুগী মক্ষমদদি মিং কোটি অমা পালহনদবনি, মিং অনিদা পালহনফম থোক্কে, মিং অনিদা পালহল্লবস্মু মিং কুপহনবদি হৌনদে।" মতৌ অস্তম্ন কৃষ্ণ মাধুর্য্য পাগজবগী পেনবা লৈতব ভক্তশিংনা মতৌ অস্তুম্না তেংথানৈ। পয়ার অসি প্রমাণ ওইনবা শ্লোক অনিদং থাঙ্গচ্চরি।

শ্লোক। ২১। অন্বয়। যৎ (মতম অদুদা) অহ্নি (নুংথিনগী মতমদ) ভবান (লৈবাক—ভূমি) কাননং (বৃন্দাবনগী বোনদা) অটতি (চৎখিনা) [তদা] মতম অদুদ] ত্বাম (নংবু) অপশ্যতাম (উদা ফংদ্রবদ) ত্রুটি (মিকুপ অমগী মতম) যুগায়তে (যুগ অমনা কুইরদৌনা থল্লী) তে (নংগী) কুটিলকুন্তলং (অথোয়ব-শমলাংনা লৈতেংবা) শ্রীমুখং (মাইথোংবু) চ উদীক্ষতাং (য়েংজরিবদা) পক্ষ্মকৃৎ (মিংথুম-শেম্লিবা) ব্রহ্মা (ব্রহ্মা বিধাতা) জড়ঃ (মায়া, অপন্ডব) এব (থাঙ্গশেংবনি)।

অনুবাদ। গোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণদা হঙ্গচ্চখি—"ইবুংঙো নংনা নুংথিনগী মতমদা বৃন্দাবনগী বনদা উমংদা চৎখিবা মতমদা নংবু উবা ফংদত্তনা ঙাখিবনা থরাই পানবশিংনা মিকুপ অমগী মতমস্মু যুগ অমগুম্না থল্লী। অথোইবা শম্লাংনা লৈতেংবা নংগী মাইথোং অদু য়েংজরিবা মীশিংগী মমিংতা মিংথুম পা পালহল্লীবা হতুম ওইবা ব্রহ্মা অদুবু থাঙ্গশেংবা অপন্ডব মায়াগী পোৎ (জড় বস্তু) ওইগনি হাঙ্গনা থল্লী।"২১

শারদীয়-মহারাস শাম্নবদা শ্রীকৃষ্ণনা মাঙখরবদা (অন্তর্হিত) ইবুংঙো মহাকপ্ থিবা ফংত্রবদা গোপীশিংনা তেংথাহ্নুনা হঈখিবা ঋাহৈ থরা অদু শ্লোক অসিদা হাঙ্গজরি। মহাভাবকী লক্ষণ কয়ামুক্কী মনুংদা মিকুপ অমবু যুগ অমনি হাঙ্গনা পনবা {কৃষ্ণ উনদবদা ঋাখিবনা মিকুপ অমগী মতমসু যুগ (মশিং থীবা ঙমদবা) কয়াগা মান্ননা কুইরে-শাংলে হাঙ্গনা পুক্লিংনা থল্লী} অমস্তুং মিকুপ অমতং উদবদা লৈবা ঙমদে (খাঙবা ঙমদে) ; অনি অসি শ্লোক অসিনা খুদম ওইনা পীরি।

গৌর-কৃপা-টীকা

ক্রটি—[মিকুপ তখাই অমা] (শ্রীধর স্বামী); মিকুপ অমগী শরুক কুন্থরেং থোকপগী শরুক অমনি (চক্রবর্ত্তী)। গোপীশিংনা হাঙ্গৈরি—শ্রীকৃষ্ণ উদবা মতমদা মাখিবনা লৈরম খঙদতুনা মিকুপ তখাই অমগী মতমসু যুগ অমগা মান্নবা শাংথবে কুইথরে হাঙ্গৈনা পুক্লিংনা নীংঙী (ক্ষণকল্পতা)। যুগ অমা চুপ্পা শ্রীকৃষ্ণ উনদবদা অন্নাবা ফংবা অমসুং খৌবাংবা পোকপা অদুগা মান্নবা মিকুপ তখাই অমসুং উদবদসু মতৌ অদুম্মা অন্নাবা ফংঙী অমসুং খৌম্নাংঙী। হাঙ্গৈরিবা পুম্নমক অসিগী মা মচংদি, ভাইহাক্তংদা শ্রীকৃষ্ণ উদ্রবদা গোপী-শিংনা খাঙবা ঙমদে হাঙ্গৈর্বনি। মাতৌ অসিদা শ্রীকৃষ্ণ-মাধুর্য্যগী হাঙ্গফম খঙদবা চিংশিনবা ভম্বগী পাঙ্গল লৈবে হাঙ্গৈবা খংনৈ অমসুং শ্রীকৃষ্ণদর্শনগী (কৃষ্ণউনীংবগী)-দগী মহাভাব চেনবী গোপসুন্দরীশিংগী য়াম্না উংকণ্ঠা (খৌবাংবা) লৈ হাঙ্গৈবা খঙনৈ। য়াম্না উংকণ্ঠা (খৌবাংবা) লৈনা মরম্না শ্রীকৃষ্ণদর্শনগী মতমদা য়েংজবিতদা কুপ্পকপা অদুদা ভাইহাক্তং অপনবা (য়েথাইবা) পীবা অদু ফাওবদা খাঙবা ঙমদে (নিমেষা-সহতা, মতম অদুদা মিংকা মিংখুম-পাগী মফমদা মখোঙ্গৈনা শাগবকই হুংঙাইবক্তে—মিংবা মিংখুম-পা লৈরমদ্রবদি, মিং কুপলোইদবনি; অতংপ লেতনা অপনবা লৈতনা শ্রীকৃষ্ণ য়েংজনা দর্শন তৌবা) ঙনগদবনি। তৌইথুম্নসুং মিংখুম লেনপ্না মবঃ। মাং খো লে। মবম অদুনা মিংখুমগী মফমদা মখোঙ্গনা শাগই—নমৈথংদা, মিংখুম শম্নিবা (শাবব) বিধাতাগী মফমনা সাউরকই: বিধাতানা মিংবী মিংখুম-পা শেম্বিবমত্রবদি মিং পুপ্লোইদবনি, য়েথাইথিনগাইবা লেংবা মিংকুপ্প লৈতনা শ্রীকৃষ্ণগী য়েংডব দশন তৌবা ঙমজগদবনি। মবম অদুন মখোঙ্গৈনা বিধাতাবু নিন্দা তৌদুনা হাঙ্গৈ, "বিধাতাদ অপঙবনি (বিধাতা জড), অপঙবগী হৌনবা মফ-ফমগী বিচার খঙদে, হৈ-শিংদে। মহাক্না বিচাগী শক্তি ঙাবম্নবাদ খঙগদবনি—শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং-থম্নালন্নু য়েংজগদবা মীশিং অদুগী মনিংতা মিংখুম-পা পালহনবা হৌনদে জড—রসজ্ঞান লৈতবা, অপঙবা বিধাতাগী রসজ্ঞান লৈরবা থোক্রবাদি, রসামৃতমূর্ত্তি শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং য়েংজনীংবা মীশিংগী মফমদদি মিং কোটি অমা পালহনগদবনি—মিং অমখক্তং পালহনবা হৌনদে, মিং অমনি খক্তা পালহনবা থোক্রবসু মিংখুম-পা পালহনবা হৌনদে।" "না দিলেক লক্ষ কোটি, সবে দিল আঁখি দুটী, তাতে দিল নিমেষ আচ্ছাদন। বিধি জড তপোধন, রস শূন্য তার মন, নাহি জানে যোগ্য সৃজন ॥২।২১।১১১॥"

তত্রৈব (১০ । ৮২ । ৩৯) —

গোপ্যশ্চ কৃষ্ণমুপলভ্য চিরাদভীষ্টং যৎপ্রেক্ষণে দৃশিষু পক্ষ্মকৃতং শপন্তি।
দৃগ্‌ভির্হৃদিকৃতমলং পরিরভ্য সর্ব্বাস্তদ্ভাবমাপুরপি নিত্যযুজাং দুরাপম্॥ ২২

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক। ২২। অন্বয়। [যা গোপ্যঃ] (গোপী পুম্নমক অহুনা) যৎপ্রেক্ষণে (শ্রীকৃষ্ণ য়েংজবদা) দৃশিষু (মিৎতা) পক্ষ্মকৃতং (মিংকী মিংথুম-পা শাবিন্নিবা বিধাতাবু) শপন্তি (শাপ তৌই), [তাঃ] (অতুম ওইবা) সর্ব্বাঃ (পুম্নমক) গোপ্যঃ (গোপীশিংনা) অভীষ্টং (তনীংবা) কৃষ্ণং (কৃষ্ণবু) চিরাৎ (মতম কুইরবগী মতুংদা) উপলভ্য (মনাক্তা ফংলহুনা) দৃগ্‌ভিঃ (মিৎনা) হৃদিকৃতং (থমোইদা চংহন্দুনা) অলং (য়াম্না চেক্কশিন্না) পরিরভ্য (কোনসিন্দনা) নিত্যযুজাং (পুক্রিং য়ুংলবা যোগীশিংগী, অমদি নিতিগী লোইনরিবী রুক্মিণীনচিংবী অথোইবী নুপীশিংগী) অপি (অমসুং) দুরাপং (তাঙনা ফংবা) তদ্ভাবং (ভাব অদু, মশক অদু) আপু (ফংখরে)।

অনুবাদ। গোপীশিংনা, শ্রীকৃষ্ণ য়েংজবদা অপনবা পী হাইহুনা মিংবা মিংখুম্‌ সারিবা, বিধাতাবুসু শাপ তৌই, অতুম ওইনা গোপী পুম্নমক অহুনা মতম কুইরবগী মতুংদা (কুরুক্ষেত্রদা) শ্রীকৃষ্ণবু মনাক্তা ফংজরবদা মিংকী লম্বিদা, থমোই মনুংদা চংহন্দুনা চেজ্জেং কোন্দুনা থমোই চেংলবা যোগিশিংনসু, অমদি নিতি লোইনরিবী রুক্মিণীনচিংবী নুপী অথোইবীশিংনসু ইলাই-লাইনা ফংবা তঙদনা (অমাঙবা) ইবুঙো মাগী মশক অদু ফংলে। ২২

কুরুক্ষেত্রদা-উনবদা (কুরুক্ষেত্র – মিলনে) শ্রীকৃষ্ণদর্শন তৌবদা গোপীশিংগী ভাব অদু শ্রীল শুকদেব-গোস্বামীনা খঙলহুনা শ্লোক অসিদা নাহু শিংথাজরি।

শ্রীকৃষ্ণদর্শন তৌরিঙৈগী মতমদা মিং কুম্নকপদা পেইহান্দবা উনা ফংহৌদে ; মাহুনা য়াম্না রাখিবনা মিংখুম-পা শেম্বিরকপা বিধাতাবু নিন্দা তৌই, মতম কইনা উদ্রবদা মখোইনা কয়া য়াম্না রাগদবা অমসুং খৌরাংগদবা অহু শিংথাবা ওমকম থোক্তে। শ্রীকৃষ্ণনা মথুরাদা লেঙাখিবদা গোপীশিংনা ইবুংঙো মহাকপু উজবা ফংখিদে —মরম অহুদগী হাইফম খঙদনা য়াম্না উনজনীংহুনা খৌরাংবগা লোইননা মখোইনা কুরুক্ষেত্রদা চংখি – লাইবক ফরবদি ইবুংঙো মাগা উনবা ফংগনি হায়বগী রাখন্দা। উনবা মতমদা মখোই খুদিংমক্তা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য অমৃত অহু মপুং-ফানা থক্লগা মতম কুইনা য়াম্না খৌরাংলম্বা অহু কোকনি

কৃষ্ণাবলোকন বিনা নেত্রে ফল নাহি আন।
যেই জন কৃষ্ণ দেখে সেই ভাগ্যবান ॥১৩২

অর্থ :—

কৃষ্ণ দর্শন তৌদ্রিবা মিং অদু আবেঙনি
কৃষ্ণ উববা মী অদু মরাইবক ফবনি ॥১৩১

গৌর-কৃপা টীকা

হাঙনা থনখি। মখোঙীনা মিংফম হোংদনা মিং কপ্তনা শ্রীকৃষ্ণদ। যেংডুনা লৈবে—মুমগী শাঙ হাদোকগা চান্নবা নংদু ইমুদা পুশিল্লগা চেক্লেং কোনসিনবদা ভাইনা কংনা নাপো চুথুত্না বুইনা খৌনালবা (নাকবনা) গোপীশিংসু, মনি ইকুন-কপ্নলা খোযগা মবুংডা শ্রীকৃষ্ণবু য়েংজতনা মিংক লম্নিদা পুসিনজনা থওযগী হা য়োবগা মহাক্কী নাংশমদা চেজে কোনসিন্দু লেবে। ছ ইন্দি মহে অপুন্না মখায়না য়ম্না বু ঙম্নদ ফিন অনা যৌনা।

অমদি, শ্রীকৃষ্ণনা মথনাদা লৈবা নান্দা মান্দ শ্রীকৃষগা লাংম্নবা গোপশিং অদি অতে লেনাখিবনা শ্রীকৃষ্ণবু ফন (অনুভব) দম্ম তৌদ্রিক্কবগী শ্রীকৃষ্ণবু পান্দা উজ্জল মংঙনা মিংক ননা কোনাসিনজনা মাঙবদি থানা অম অমনী ফিরেযংনা শ্রীকৃষ্ণনা শানা মনুংদ নহংনাননা মংব হৌরি।

অদু ... ... নানা গোপনলীনিংনা যনা কুবনা (মাং না) অম ফরে লাক গোপীনশিংগী মাংনবন ঙনাই-নাংন ফংদে। অদি হাইদা নত্ত লাব মানম্ম লইবা শ্রীকৃষ্ণনা অথং উনগা অভাবনা চেনন গোপিং চেনং অবংনা নাব শৃঙ্গার রসকী মুংচাঙন ফঙ, অঙ লইবা নুঙবা অদু শ্রীকৃষ্ণন নবুবাদ লম। নান্দা মগা লোঙনবিনা বাক্স নচিংবা ই বশিন ফবদ রানা থোক্ক। শ্রীকৃষ্ণ উদনা গোপীশিংগা বাংগী চাংদম্নাংডাই লাতে। শ্রীকৃষ্ণ উনদা মতে ঈনা নুডাঙন পোকপা অজ নাডগা মাংনা চাংদম্নাংডাই লাতে। গোপশিংনা মিংক মিংথম-পা লাবিন বিধাতাবু নিন্দা তৌবা অদু শ্রোতা আন অসিদ উহনজবে।

১৩১ কৃষ্ণ মাধুর্য্যগী স্বভাব (মহাশাগী শক্তং) অতাপ্পা অমগা হাঙীজারি শ্রীকৃষ্ণদর্শন তৌজবনা মী অদুংনা থডব। ভক্তী শ্রীকৃষ্ণদর্শন নংনদি মিংবী বরিত্তথা অতোপ্পা মহয় থানবা অমা লৈরবে, অমসুং মাক মতাক অদুনা শ্রীকৃষ্ণ উজবদি, মতাক অদু লাইবক অক্কবান।

তথাহি (ভা. ১০/২১/৭)

অক্ষণ্বতাং ফলমিদং ন পরং বিদামঃ সখ্যঃ পশূননুবিবেশয়তোর্বয়স্যৈঃ।
বক্ত্রং ব্রজেশ সুতয়োরনুবেণু জুষ্টং যৈর্বা নিপীতমনুরক্তকটাক্ষমোক্ষম্ ॥২৩

গৌর-কৃপা টীকা

কৃষ্ণদর্শণ—কৃষ্ণ য়েংবা। পয়ার অসিগী প্রমাণ ওইনবা মথাদা শ্রীমদ্ভাগবতকী শ্লোক অনিথক্তং হাঙ্গিজরি

শ্লোক ।২৩।অন্বয়। সখ্যঃ (হে শখীশা)? বয়স্যৈঃ (মমান্নবশিংগ। লোঈননা) পশূন (যন ময়াম্পু) অনুবিবেশয়তোঃ (তুং ইন্নুনা বন্দা হোইন্নিবা) ব্রজেশসুতয়োঃ (ব্রজ মিংথৌগী মচা অনিগী—রাম কৃষ্ণগী) অনুবেণুজুষ্টম (বেণু খোংবা পামজবা) অনুরক্তকটাক্ষমোক্ষং (পামজবা মীশিংগী মকমদা চানবিবা মিৎয়েংনা য়েংবিবা) বক্ত্রং (মাইথোং) যৈঃ (মথোঈনা) নিপীতং (তশেং উজরবা) [তেষামেব] (অদুম ওইবা) অক্ষণ্বতাং (মিং থৌবা মীশিংগী) ইদং বৈ (উরিবা অদুনা) ফলং (মিংকী মহয় য়াগ্লে), পরং (অতোপ্পা) ন বিদামঃ (খঙজদরে)।

অনুবাদ। গোপীশিংনা হাঙ্গিবা হৌরকৃই—হে সখীশা! মমান্নবগা লোঈননা, যন ময়াম্পু বোন্দা হোইরিবা ব্রজরাজগী মচা বাঁশী খোংবা পামজবা অনসুং তক্তশিংগী মকমদা চানবিবা মিৎয়েংনা য়েংবিবা রাম-কৃষ্ণগী মাইথোংবু শেংনা উজরবা মথোঈগী মিং অদুদি মহয় য়াগ্লবনি; মিংকী অতোপ্পা করম করম্না মহয় য়ানব্বম লৈবগে হাঙ্গিবা অদুদি খঙজদবে।২৩

শরৎকী অহানবা শরুক্তা শ্রীবলদেব অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা বনবীনচিংবা যন ময়াম হোইদুনা বন-দা যণ শেনবা লেঙলকই; মাদুদা মমান্নবশিংসু য়াওরম্মী। শ্রীকৃষ্ণনা জগোইগী কিজেং শেংদুনা শ্রীবলদেবগী তুংদা চংলম্মী; খুঙ্গংগী লমী ময়াদা শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিজবা মীশিংনা অমসুং তুং ওইরম্না ব্রজগী ফজবীশিংনা লেপ্লনা মথোঈগী যন শেনবা চংপা অদ য়েংলম্মী। শ্রীকৃষ্ণনা য়াম্না নুংশিনা বেণু খোংলম্মী—বলদেবগী তুংদা লৈরম্না মী অতোপ্পা উজনা ব্রজগী ফজবীশিংগী মকমদা য়েংলম্মী; মাদুদা ফজবাশিংগী থমোইদা ভাব অমা পোক্লনা শ্লোক অসিগী ভাব অসি, অমগী মকমদা অমনা মহৈ মহৈ হাঙ্গিনরম্মী। মথোয়না হাঙ্গিরকৃই—সখি। বেণু খোংবা পামজবা অমসুং মাবু নুংশিজবা মীশিংগী মকমদা চানবিবা মিৎয়েংনা য়েংবিবা, শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং খম্বানবু নিংথিনা উজরিবা মথোঈগী মিং অদু মহয় য়াগ্লবনি; শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং খম্বান দর্শণ তৌবা নত্তনা মিংকী অতৈ অতোপ্পা মহয় য়ান্নবগী মচাক অমা লৈত্রে।

তত্রৈব (১০।৪৪।১৪)

গোপ্যস্তপঃ কিমচরন যদমুষ্য রূপং লাবণ্য সারমসমোর্দ্ধমনন্যসিদ্ধম।
দৃগ্ভিঃ পিবন্ত্যনুসবাভিনবং দুরাপমেকান্তধাম যশসঃ শ্রিয় ঐশ্বরস্য ॥২৪

গৌর-কৃপা-টীকা

মফম অদুদা যশোদা-রোহিণীনাচিংবীস্থ লেপ্পুনা লৈরম্মী, মাদুদা মথোঙ্গনা খড়খিগান হাঙ্গনগা চিংনবনা ব্রজগী ফজবীশিং অদুনা মা ভাংবদা থেবদুনা কোইনা হাঙ্গদুনু, নবম্না হাঙ্গবদা ব্রজ—সুন্দবীশিংনা ব্রজ-নিংথৌগী মচাগী মাইথোংতা য়েংবগী ব ওইন। হাঙ্গদতুনা ইচম-চম্না ব্রজ—নিংথৌগী মচা অনিগী (ব্রজেশসুতয়োঃ) হাঙ্গবদি শ্রীরাম-কৃষ্ণগী মাইথোং য়েংবগী ব ওইনা হাঙ্গখি। তৌইগুম্বসুং গোপীশিংনা ইকাইবগী মবম্না অনিগী ব ওইনা হাঙ্গববসু মথোঙ্গী অনীংবদি শ্রীকৃষ্ণ মতোমদগী মাইথোং যেংজনবুনি—শ্লোকতা থাওবিবা "অনুবেণুজুষ্টং বক্ত্রং" শব্দ অসি একবচন ওইবনা শ্রীকৃষ্ণ মতোমদগী মাইথোংনু খঙৈন। শ্রীকৃষ্ণনা বেণু খোংঙী; বলদেবদি-বেণু খোংদে। ব্রজবাজগী মচা অনিগী মনক তুং থংলিবা বেণু খোংবা অদুগী মাইথোং য়েংলগা মিংকী মহম্ন যাম্নি।

বলদেবদি বসুদেবগী মচানি, অদু ওইববসু ব্রজরাজগী মচানি হাঙ্গনা খুইনা খঙনৈ, মসম অদুনা ব্রজবাজগী মচ অনি হাঙ্গবগা শ্রীরাম কৃষ্ণ অনিবু খঙনৈ।

শ্লোক। ২৪। অন্বয় গোপ্যঃ (গোপীশিংনা) কিংতপং (কবম্বা তোপ) অচবন (তৌরকপনে)? যৎ (তোপ অদুগী মগুম্না মথাঙ্গনা) দৃগ্ভিঃ (মিংনা) অমুষ্য (শ্রীকৃষ্ণগী) লাবণ্যসারং (ফজবগী মচি ওইবা) অসমোর্দ্ধং (মাগা-মান্নবা অমসু অকেনবা লৈতবা) অনন্যসিদ্ধ (অতোপ্পনা সিদ্ধ ওইতনবা নত্তবা মহৌশানা সিদ্ধ ওইন) অনুসবাভিনবং (মিকুপ খুদিংগী অনৌবা নৌবা) যশসঃ (মিংচৎকী) শ্রিয় (নিংথিজবগী—লক্ষ্মীগী) ঐশ্বরস্য (ঐশ্বর্য্যগী) একান্তধাম (চংজফম থবোইবনি) দুবাপং (তাঙনা-ফংবা) রূপং (রূপ, মশক) পিবন্তি (থক্নী)।

অনুবাদ। গোপীশিংনা কবম্বা তোপ্প (তপস্যাবু) তৌবকপনো?—তোপ অদুগী মগুম্না মথোঙ্গী মমিংনা শ্রীকৃষ্ণগী রূপ (মশকপু) যেবা (দর্শন, পান=থক্কপা) ফজম্বরে, রূপ অদুগী ফজবগী মচি ওইবা শকক অদু মাদুগা মান্নবা অমদি মাতোন্দগী অকেনবা অমা কবিগুম্বা মফমদসু লৈতে, মাদু নিংথি-নিংথিজবা ফিজেং-লৈতেংবিদুনা সিদ্ধ ওইবা নত্তে, অদুগা অতোপ্পনা সিদ্ধ ওইহনবসু নত্তে মহৌশাগীনি, মশক অদু মিকুপ খুদিংগী ইনৌত-

গৌর-কৃপা টীকা

নৌই, ইবুংঙো মাংগোম্বা মিংচৎনা, নিংথিজবনা অমসুং ঐশ্বর্য্যনা তবোইবা চংজফম্না অমসুং (লক্ষ্মীনচিংবনসু) তাঙনা-যংবনি । ২৪ ।

কংস নিংথৌগী দববান শংদা (লানফমদা) শ্রীকৃষ্ণগী তঙকপগী মশক ওইবা শিংথাবা ভুমদবা নিংথিজবা শক্তম অদু উকরগা, অঙকপা ফংলগা মাইথোং-থগাল অদুবু চুপ্নীংলবী মথুবাগী নুপী কযামুরা মথোং মশেন অমগা [illegible] হাঙ্গৈনবকত-সথি। নীপালক্তগী অথোইবা শ্রীকৃষ্ণদি বজদা পোকপনি, হবুংঙো নাগী পোকফম ওইবা ব্রজদা পোকচবা ফংজরবিবা মথোযশি অসি কযাদ লাইবক ফগ্রবনে। , মথোয় অদুগী মনুদা অমুক বজ গোপীশিংনা লাইবক ফংদা অথোইবানি মবমদি নগোযদি মতম পুং[illegible] শ্রীকৃষ্ণগী চাংদমা ভাঙ লৈত্রবা ফজগ্রবা [illegible] অয়ং [illegible] নমিংনা থকুনং লন্নিনি [illegible]

শ্রীকৃষ্ণগী [illegible] মদি 'অসমোদ্ধ্ব'— মাগ [illegible] বা অমদি মাঙোন্দগী তৈনবা শক[illegible] বদাইদসু লংবনি [illegible] বৈকুণ্ঠনাচ[illegible] কংবদি বৈকুণ্ঠগী [illegible] নাবয়ণগী ফজন মশরংসু [illegible] চাদয় । যাদ, [illegible] নাবায়ণ [illegible] [illegible] কৃষ্ণগী ফজনন মবুং [illegible]

[illegible] মধুর্য্য অস লাবণ্যসাগর— ফজবগী [illegible] (অ [illegible]) [illegible] (তম [illegible]) জ [illegible] বজ [illegible] সংনফম্না ম [illegible] সিদ্ধ ওইহনং [illegible] ফজবা [illegible] শ্রীকৃষ্ণ [illegible] কৃষ্ণ [illegible] [illegible] লাঙ্গরজলা, ইবুংঙো নাগী [illegible] ফংদা [illegible] তেল্লকং বজগোপীশিংন [illegible] ফজবা ফজজনা [illegible] ইবাং [illegible] ফজবা রূপক (শক) [illegible] অদু, [illegible] মথোং তাবা [illegible] পুয়মদা শ্রীকৃষ্ণগী রূপক (মাইথোংগী [illegible]) অদু মাংদে, অদুনা উবা ফংজবব নীশিংনসু [illegible] উজনী[illegible] গৌরা[illegible] অদু [illegible] শ্রীকৃষ্ণগী রূপ-তি অনুসব ভিনবং মিকপ থুদিংগী নোঙনতা লবিব [illegible] অদুনা [illegible] হন্নহনা উৎনসু অউবা থুদিগ মতং লৈবা খিবিক্তা হৌজিক্তা উবিবনি অসুম্ন খল্লী, (মম তৈঙেদা) উগ্রবসু অসিগুন্না মাধুর্য্যাদি বৈদোইদসু অমুগুসু উখিত্রি হ ঈনা পুক্তিংনা নীংঙী ।

অপূর্ব্ব মাধুরী কৃষ্ণের, অপূর্ব্ব তার বল।
যাহার শ্রবণে মন হয় টলমল। ১৩৩

অর্থ :—

কৃষ্ণগী মাধুরী, মাগী পাঙ্গল অঙকপনি।
মাদু তাবদা পুক্লিংসি, লাংতক্লবিবনি॥ ১৩৩

গৌর কৃপা-টীকা

হেগা সখি। কনাগুম্বী নুপী অমনা ইবুংঙো মাগী মাইথোং থম্বানগী অমৃত অদু থকচনীংলগা ইকোম-কোম্না হেক থকপা ফংবা নত্তে; মাদু তুবাপং—তাঙনা ফংবনি, নুপী ওইবা পাদি থম্বু থমখিসি, স্বয়ং লক্ষ্মীনকুম্ব য়াম্না রানা (তাঙনা) ফংবনি। নংথাঙ্গীনদি হাঙ্গীগনি—নারায়ণগী ঐশ্বর্য্য তকপা তিনবনি, মহাকী ইবেম্মা লক্ষ্মীনা করিগী শ্রীকৃষ্ণগী রূপ থাবা লগদগে? তৌইগুম্বসুং সখি। নারায়ণগী লিংচংনচিংবা মখল তকপা ঐশ্বর্য্য মপাঙ্গবগী চংজফমদি শ্রীকৃষ্ণগী রূপ অসিনি, মসি অদুনা লক্ষ্মীনা শ্রীকৃষ্ণগী রূপক (মাইথোংগী অমৃতগী) দমক লৌবিগী থৌবাংলেইদৌবিবনো? তৌইগুম্বসু খোম্না শকপ শহাক্লা থকপা ফংজদে; অমৃত অদুদি গোপীশিংগী মপোংনি (সম্পত্তিনি)। ফবে সখি! নংথাঙ্গী কনা অমনা নবিগী মতমদা থক-থবা মীদ (পাঙ্গীদা) হংলক্লনা খঙলবা। গোপীশিংনা কনম-কনম্না পম্মা তৌখিবগে? (তুপ, লাইনীংখিনগে?) নম্বপ উপম্বাগী গোপী (ফং) নংথাঙ্গীনা মতম লবা শিনিক্ত শ্রীকৃষ্ণগী রূপ মানবা (মাইথোং অমৃত) চানা ফংলিনবে। মাদি থানে থোকনদি, ঐংথাঙ্গীন মংথাঙ্গীগুম্না তম্মা তৌবগে, মাতুনা নকপা গোপী লৈদুনা শ্রীকৃষ্ণনা চম্মনবা। মাদু মইবা নদা শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোংগী অমৃত থকপা ফংবগা মাইমক মরক (থোরক) তৌগাদৌনি (ঈর্ষা) মাইথোং অমৃত থক ফংবা ঙমনসিনম্না অতাবনি হাঙ্গীনদ থানপীবমক নাসি হংঙ্গীবিনি। থাঙ্গৈ লেপদি গোপীশিংনা করিগুম্বা তম্মা থাবা তখিদ, থাকুম তৌরগা, অমৃত থক ফংবনব দমক থোঙ্গীদি শ্রীকৃষ্ণগী নিত্য নবীন (চরনিনি), অনাদি কাংদম (মহিমা মাধুর্য্যামৃত নসি থক্লনবা পারবনি।)

মথক্কী পয়ার ১৩২ গা প্রমাণ ওহনা লোন অনিসি চচ্চবে। থাঙ্গৈবেবমক শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং উজবগা নিংকা মহয় যানবম কু। ওপ্পমনকা ফজবা পোং উবগা পেল। মুখাই, অদুনা ফজবা পুম্মক। মকোক চাংদম্নাং। ইই লেবা শ্রীকৃষ্ণগী রূপ-দর্শণ তৌবতনা মিৎবা মহয় যানবগী খুইদগী রাংবা থাক্রি।

১৩৩। "কৃষ্ণ মাধুর্য্য মহেশাগী শক্তি অমা লৈ" অসিনচিংবা পয়ার ১২৭ দা হাঙ্গীখিবদু লোইসিনজবে। (পয়ার ১২৭গী টীকাদা যেংবিয়ু)।

কৃষ্ণের মাধুরী কৃষ্ণে উপজায় ক্ষোভ।
সম্যক্ আস্বাদিতে নারে, মনে রহে ক্ষোভ॥ ১৩৪
এই ত দ্বিতীয় হেতুর কৈল বিবরণ।
তৃতীয় হেতুর এবে শুনহ লক্ষণ॥ ১৩৫

অর্থ :—

কৃষ্ণবু পামুক্লী কৃষ্ণগী মাধুরীনা।
পুক্লিংদা থোইবাংঙী, ফংদে চাবদি তশেংনা॥ ১৩৪
শিংথাঙবে অনিশুবা অনীংবগী মরম।
হৌজিক তাবিবো অনীংবা অহুমশুবা মরম॥ ১৩৫

গৌর-কৃপা টীকা

মাধুরী অঙকপানি—করিগুম্বা অতোপ্পা মফম অমদা উবা ফংদ্রবা মাধুরীনি, অহুনা অঙকপনি হাঙ্গৈবিবনি। মাগী পাঙ্গল—মহাক্কী (কৃষ্ণ মাধুরীগী) পাঙ্গল (শক্তি), শ্রীকৃষ্ণ—মাধুর্য্যগী শক্তি (পাঙ্গল) সু অঙকপনি, ব্রাথন্‌গী ব্রাংমদা লৈবনি। মরম অহুনা মাহ্র তালদা—নচিংবা—শ্রীকৃষ্ণ—মাধুর্য্যগী ব্রাবী তাবনসু পুক্লিং অসি লাংতক্লে হাঙ্গৈবদি মাহ্র চানীংবনা (ফংনীংবনা) তপথবা ঙমদে।

১৩৪। শ্রীকৃষ্ণমাধুর্য্যগী অঙকপা শক্তিদি অনিনি, অতোপ্পা মীবু মাহ্র চানীংনবগী খোবাংবা পোক্‌হন্দুনা তপথনা লৈবা ঙমহন্দে, স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণবু পামহন্দুনা তপথনা লৈবা ঙমহন্দে, শ্রীকৃষ্ণবাপ "বিস্মাপনং স্বস্য চ। শ্রীভা, ৩। ২। ১২॥" তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণনা তশেংনা মাহ্র চাবা ফংদে হাঙ্গৈহুনা মাগী পুক্লিংদা যাম্না লাংতক্লখি। শ্রীকৃষ্ণমাধুর্য্যবু চাননবগী মরমদি মাদনাখ্য-মহাভাবনি, মাদনাখ্য মহাভাব অসিদি শ্রীকৃষ্ণদা লৈতে, অহুনা মাহ্র তশেংনা চাবা ফংননবগীদমক, খোরাংবা অহু কোক্লনবগীদমক শ্রীচৈতন্য অবতার ওইবরিবা অসি অনিশুবা অনীংব (ব্রাশক) অহু কোক্লনবগীদমক্নি।

১৩৫। শ্রীচৈতন্যাবতার তৌরিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি শ্রীকৃষ্ণনা মরম অহুম থোক্লা অনীংবা লৈখিবা অহুননি, অহুম অহুগী মনুংদা পয়ার ১১৭ ফাওবদা অহানবা অনীংবগী ব্রা, পয়ার ১৩৪ ফাওবদনা অনিশুবা অনীংবগী ব্রা হাঙ্গৈখরে, হৌজিক্লা অহুম শুবা অনীংবগী ব্রা মরম হাঙ্গৈবা হৌজরি। অনিশুবা অনীংবা মরম—শ্রীচৈতন্য অবতারগী

অত্যন্ত নিগূঢ় এই রসের সিদ্ধান্ত।
স্বরূপগোসাঞি মাত্র জানেন একান্ত॥ ১৩৬
যেবা কেহো অন্য জানে, সেহো তাঁহাকৈতে
চৈতন্যগোসাঞির তেঁহো অত্যন্ত মর্ম্ম যাতে॥ ১৩৭

অর্থ :

রস অসিগী সিদ্ধান্ত-সি য়াম্না অথুপ্পনি।
স্বরূপগোসাঞি মতোমত্তনা খঙবা ওম্বনি॥ ১৩৬
কনাগুম্বনা খঙলবস্তু মাঙোন্দগীনি।
মহাক্তি চৈতন্য গোসাঞিগী মহুংচন্‌বা মীনি॥ ১৩৭

গৌর-কৃপা টীকা

মরূ ওইবা-মরম অনিশুবা অনীংবা অতুদি (শ্রীকৃষ্ণগী—মশাগী মাধুর্য্য নিংথিজবা অসিনা কবম তৌবা, করম তৌনা কয়ামুক য়াম্না ফজথ্রবা, থোংথ্রবা, মাধুর্য্য ওইথ্রবা হাঙ্গৈবা অতু, অশেং তশেংনা মপুংফানা খঙগে (চাগে) হাঙ্গৈনা নীংবা ।

অহুম শুবা মবম—শ্রীচৈতন্য অবতারগী মরূ ওইবা অহুমশুবা অনীংবা { শ্রীরাধা বাণীনা শাম্না রানা হোৎনতুনা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য অতু মপুংফানা চাবগা (আস্বাদন তৌবগা) কয়ামুক যাম্না কবম তৌনা লুংঙাইবগে হাঙ্গৈবা অতু, অশেংনা মপুংফানা খঙগে (চাগে) হাঙ্গৈনা নীংবা }।

১৩৬—১৩৭। অহুমশুবা অনীংবা মবম অতুগী কথুপ্পা মবোন অতু গ্রন্থকারনা (লাই খন লেংলিবনা) কবম তৌনা খঙবগে হাঙ্গৈবদা হাঙ্গৈজলক্ৰি। শ্রীচৈতন্য অবতারগী অহুম শুবা মবমগী সিদ্ধান্ত অসি যাম্না অথুপ্পনি, শ্রীমন্ মহাপ্রভু নত্রুনা অদৈ অতোপ্পা কনা অমত্তনা খঙবা নত্তে; স্বরূপ—দামোদর-গোস্বামীদি পভুগী যাম্না নুংচন্‌বা ভক্ত ওইবা করম্না, প্রভুগী মহুংগী ৱা (মর্ম্ম কথা) পুন্নমক খঙই, মবন অতুনা হাক তোমত্তনা পুন্নমক অতু খঙবা ঙম্লিবনি, অতোপ্পা কনাগুম্বনা খঙলবস্তু মতু স্বরূপ—দামোদরদগী খঙবনি। শ্রীল রঘুনাথ দাস গোস্বামীনা চহি কযামুক চুপ্প স্বরূপ-দামোদরগা লোয়ননা নৈমিত্ত-বর্ম্মী মাতুদা শ্রীমন্ মহাপ্রভুগী ৱার পুন্নমক মহাক্না রঘুনাথ দাস গোস্বামীগী মফমদা থোংদোকখি; গ্রন্থকার শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীসু দাস গোস্বামীগী মফমদগী প্রভুগী ৱাগী যাম্না খঙখি- অবতারগী অহুমশুবা মবম সিদ্ধান্তসু খঙখী। "চৈতন্য লীলা -বর্ণনি, স্বরূপ পুকৈদা থম্বনি, মানা থমখি রঘুনাথ খোৌনীদা। তাজবা থরা অতুতা, মাসিদ

গোপীগণের প্রেম—'অধিরূঢ় ভাব' নাম।
বিশুদ্ধ নির্ম্মল প্রেম কভু নহে কাম ॥১৩৮

অর্থ :—

গোপীশিংগী প্রেম অদু 'অধিরূঢ ভাব' কৌই।
কবিশুদ্ধ কাম যাওদ, অশেংবা প্রেম কৌই।১৩৮

গৌর কৃপা-টীকা

পীজবি—ভক্তশিংদা ॥ ২ । ২ । ৭৩ ।" শ্রীরূপ-নচিংবা গোস্বামীশু স্বরূপ দামোদরগী বানী যান্না খঙডী, মখোযশিং ৬সিগী মফমদগী কবিরজ গোস্বামীনা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতগী মচাক য়ান্না ফংগি। "স্বরূপ গোসাঞিগী মোং শরা রূপ-রঘুনাথনা শরা ঐগী দোষ না মাত্নতা ইদি ॥ ২ । ২ । ৮২ ॥"

মরম অদুনা অবতারগী অহুমগুনা মায়গা সিদ্ধান্ত অসি ধান্না অথুম্বা কবিরাজ গোস্বামীনা অনুমান তৌদুনা শেন জন-শাস্ত্রিমতন (কল্পনা তৌদুনা) হৈবা নত্তে, অ ... থাজবা যাবা মকনদগী খঙনা ... ইর্দে। স্বরূপ দামোদরদা নশুংনা ... লাইরিকগী ... য়াম্না খঙখী।

অথুম্বানি অতাম্ব ... নম অসিনা সদ্ধ অসি শ্রীকৃষ্ণকী মনবা চারগী শীথিনানা ... রস অগী সিদ্ধান্ত, "গোপীশিংগী প্রেম" ... ভুগী পযান প্রমান ... অবতারগী অহুম শুনা মনম ওইবা সিদ্ধান্ত। ... স্বরূপ-গোসাঞিগী মফমদগীনি। স্বরূপ গোস্বামীদি শ্রীচৈতন্য-গোসাঞিগী যাম্না ... চনবা ভক্তনি ... ফানা ... শ্রীচৈতন্য-গোসাঞিগী যাম্না অথুম্বা ... স্বরূপ-দামোদরগী ... (স্বরূপ-দামোদরগী মফমদা ... কোংদোকই) ... পন্নরগ খড়। ... শক্তি লাক্তোরকিদনা ... দ্বত ... সত্তগী ... থোকপা ... রস কৌই ... ।

১৩৮। মহোশান খ্বাইনা ... কাম (... নুংঙাইনবা ...) দগী নুংঙাইনা থোরকই (থোরকই), কাম হৌইনা অসিনা ... (কত্তানি), অদুগা নুংঙাইবা ... অসিনা মাগী থবাক। মহোশানা ... থবক তৌবা হোনদে। তৌই ... অন্তরকপদি অসিদি শ্রীকৃষ্ণগী ... চানদ। (খঙনদা) শ্রীরাধানা নুংঙাই, নুংঙাইনগী মশক

গৌর-কৃপা টীকা

ওইবা থনক অতুগী করিগুম্বা মরম অমতা লেপে—মশাগী নুংঙাইনবগীদমক শ্রীরাধানা কবিগুম্বা অমতা খল্লবক্ত শিংথাবা ভমদনা (হাইফম খঙদনা) নুংঙাইবা ফংডী. শ্রীকৃষ্ণগী মবম ওইবা প্রেমগী স্বভাবতি মহৌশানা নুংঙাইবা পোকই, মবম অতুনা মশাগী নুংঙাইনবা খল্লবগী (নীংনবগী) মরম দবকার ওইদে (মশাগী নুংঙাইনবগী মরম নীংঙল্লবদি শ্রীকৃষ্ণগা খঙনববগী নুংঙাইবা পে কদম থোক্ .। হু পোকপা ভনদে, নুংঙাই ভমদে) মাসিগী প্রমাণ তৌনবগীদমক অবতারগী ভমগুবা মবম শিংথাবা হৌরকপদা "গোপীশিংগী প্রেম নচিংবা রাহৈদা। শ্রীরাধানা নুংঙাইবা ফংবগী মবম হাঙ্গীবকপদা গোপীশিংগী প্রেমগী বা হাঙ্গীকবিবগী মবমদি, গোপীশিংগী মন্নুংদ শ্রীরাধাগী প্রেম। অথোইবনি মবম অতুনা গোপীশিংগী প্রেম্না কাম অমদি মশাগী নুংঙাইবা নাংব্রবদি শ্রীরাধানা প্রেমদগী কা লৈত্রে (নাংদ্রে)। সাধারণ গোপী প্রেমগী স্বভাবতি, শ্রীকৃষ্ণ খঙবা ভম্বদা, হাইফম খঙদনা নুংঙাইবা ফংডী, গোপী-শাগৈনা মকোক শ্রীরাধাগী প্রেমগী স্বভাবগুম্বা অমুক্তা হেন্না হাইফম খঙবা নুংঙাইবা পাক্ত মাদ হাঙ্গদোকপদ মতম যাম্বা রাবনি শরা হাঙ্গীরনদা শ্রীরাধাগী । স্বভাবগী মবম অতু উহৎনগীদমক সাধারণ গোপী প্রেম স্বভাবকী তথাংবা উহৎল্লবনি।

অধিরূঢভাব – অনুরাগনা (নুংশিবন) অস্থুম অস্থুম হেনগৎলকপা খমথেংনা (অবোহ- ন) ভমদৈ য়ৌনবপ মতম অতুদা মহাভাব অমদি ভাব কৌই (মথক্তী পবাব ...) ...হাভা অসি মং, অনি থেব্র চপদা অহানা মংংনা রূঢ কৌই, অনিশুবন 'অধিরূঢ' কৌই। মহাভাবকী মওং ফিবম অসিদা সাত্ত্বিক ভাব পুন্নমক ফোংদোকপদা (যাম্ন ফোংদোকপদা) রূঢ কৌই। "উদ্দীপ্তা সাত্ত্বিকা ... স রূঢ ইতি ভণ্যতে। উ. নী. স্থা ১৭৯ রূঢ মহাভাবকা মতমদ, শ্রীকৃষ্ণনা মনাক তৌদ্রিবিদে। মিপ কপত্তুন ... অপনব ... অতু যাম্বা খাংবা ভমদ, ম্নং কল্প অমা ... মিকুপ অমতনি হাইনা থাপী. অমগা মিকুপ অমত, শ্রীকৃষ্ণ উনদ্রবস্থু চহি কল্প শমা উংদবদোনা কুইহ্রক হাইনা থাপী শ্রীকৃষ্ণনা নুংঙাইবগদ্ব ... যাই হাইনা। হন্থখতুনা রূঢভাব চেনবনা অনা ফোংদোকই ... অসি রূঢ মহাভাবকা খুদম্নি। অতুগা সাত্ত্বিক পুন্নমক তিনবা রূঢভাবতা উংলিবা খুদম পুন্নমক্তগী ... হন্দোবত্তুনা হাইফম খঙদবা অঙকপা মওং অমা ওইবকপা যাঙবকই, মতম অতুদা অদুম ওইবা মহাভাবগী ফিবম অতুবু অধিরূঢ মহাভাব কৌই। "রূঢোক্তেভ্যোহনুভাবেভ্যঃ কামপ্যাপ্তা বিশিষ্টতাম। যত্রানুভাবা দৃশ্যন্তে সোহধিরূঢো নিগদ্যতে। উ, নী, স্থা, ১২৩।"

গোপীশিংগী-নচিংবা,—ব্রজগোপীশিংগী প্রেমদি অধিরূঢ মহাভাব ফাওবা ফোংদোবকই।

গৌর-কৃপা টীকা

প্রেম—শব্দগী অর্থ করিনো ? প্রেম=প্রিয়+ইমন ; মরম অসিনা প্রেমগী অর্থদি নুংশিবা হাঙ্গবনি ; তৌইগুম্বস্নুং নুংশিবা (প্রিয়তা) কদাইবু কৌবগে ? প্রিয়=প্রী+ক ; প্রী-ধাতুগী অর্থদি নীংবা (ইচ্ছা, কামনা) ; প্রী—কান্তৌ (কবি—কল্পদ্রুম) ; প্রেম—শব্দগী অর্থ নীংবা, নুংশিববু নীংবা। তৌইগুম্বস্নুং কম—ধাতুগী উত্তরদা অন-প্রত্যয় তৌরগা "কাম"—শব্দ থোকই, মাসিগী অর্থস্মু নীংবা হাঙ্গবনি ; নুংশিববু নীংবা (মরমদি, কম—ধাতুগী অর্থস্মু নীংবা, কম কান্তৌ ইতি কবি কল্পদ্রুম)। ফিবম অসিদা উবা ফংলে প্রেম-গী অর্থস্মু, কাম—গী অর্থস্মু অনিমক্কী অর্থ নীংবা,—নুংশিববু নীংবা, নুংঙাইনবা নীংবা (মরমদি, নুংঙাইনবা নীংবা নত্তনা মহোশানা কনাস্মু ব্রাননবা নীংনদে)। অদু ওইরবদি প্রেম অমস্নুং কামগা অমতা ওইরবরা ? মাসিগী পাউখুমদা হাঙ্গরি—"অশেংবা অরূবা" অসিনচিংবা ; কাম অমস্নুং প্রেম অনি অসিগী অর্থনা "নুংঙাইনবা (পেন্নবা) নীংবা" ওইরবস্মু ভক্তগী মফমদদি "নুংঙাইনবা নীংবা" হাঙ্গবা অসি মখল অনি থোক্না পুথোক্লে—মশা মশাগী "নুংঙাইনবা নীংবা" অমস্নুং কৃষ্ণগী "নুংঙাইনবা নীংবা"। রূঢ়ি-গী অর্থদি অস্ত্রয়া খঙনে "মশাগী নুংঙাইনবগীদমক নীংবা" অদুবু কাম কৌই ; অদুগা "কৃষ্ণগী নুংঙাইনবগীদমক নীংবা" অদুবু প্রেম কৌই (মতুংগী পয়ারদা য়েংবিয়ু)। নুংঙাইনবা নীংবা মখল অসিগী মনুংদা মশাগী নুংঙাইনবা নীংবা অসিনা পুকচেন পিকপগী রাখল্লি, খুদোংচাদবা অরাবা ওল্লী, খ্বাইনা নিন্দা তৌনে ; হাঙ্গরক্তুনা কান্নদে। অদুগা কৃষ্ণগী নুংঙাইনবা নীংবা অসিদি য়াম্না পাকচাওই, য়াম্না থৌজাল হৈবা পুকচেন চাউবগী রাখন ওই, খ্বাইনা থাগৎনে, মাসিদগী ইলাই-লাইনা খঙবা ঙম্মী—অমনা পিক্লবা ইশা ইতোমদগী নুংঙাইনবা নীংবা (কাম) ; অতোপ্পা অমনা লাই (বিভু) ওইবা পোৎ শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইনবা নীংবা—মাসিনা খঙনরিবদি প্রাকৃতজগৎ (অচম্বা মায়া) অমস্নুং অপ্রাকৃত (মায়া নত্তবা) ধামদা লৈরিবা পূম্নমক অদুগী নুংঙাইনবা নীংবা অদুবু খঙনে। মরম অদুনা প্রেম হাঙ্গবা অসিনা অতোপ্পগী নুংঙাইনবা নীংবা অরংবা অরূবা থৌরম ওমনি, অদুগা কাম হাঙ্গবা অসিনা নিন্দা তৌননবগী মশক ওইবা ইশাগীতা নুংঙাইনবা নীংবা অমোংপা পোংশক অমনি। প্রেমগী মফমদা অমোংপা য়াওদে হাঙ্গদুনা অরূবা অশেংবা ওইরে। অদুগা রা অমগা লৈরি। নীংবা হাঙ্গবা থৌরম অসি পুক্লিংগী মওংনি (মথৌনি) ; মশা মতোমতগী নুংঙাইনবগী নীংবা অসিনা প্রাকৃত (অচম্বা মায়াগী) পুক্লিংগী মওংনি ; অচম্বা মায়াগী পুক্লিংগী মওংস্মু অচম্বা মায়া ওইফম থোকই ; মরম অদুনা মশাগী আত্মা ইন্দ্রি-পেন্নবা, নুংঙাইনবগী নীংবা (কাম) স্মু অচম্বা মায়া, অরেপ্পা লৈতবা পোৎ ওইফম থোকই ; অচম্বা মায়া ওইরা মতমদা কাম

গৌর-কৃপা-টীকা

অসি অমোংপা শেংদবা পোং ওইরগনি। তৌইগুম্বস্লুং কৃষ্ণ মুংঙাইনবা নীংবা প্রেম অসিদি অচম্বা মাযাগী পুক্লিংগী মওং নত্তে, মাহুক্ স্বরূপ-শক্তিগী মওং মথন অমনি, মবম অহুনা মাহুক্ অপ্রাকৃত চিন্ময় (মায়া পক্তবনি) নি-অহুনা অশেংবা পোং ওইবে। মবম অহুনা কাম অমস্লুং প্রেম কৌবা পোং অনি অসি অমতা ওইবা যাদে—প্রেমনা অশেংবনি, কামনা শেংদবনি (অশেংবা নত্তে)। প্রেমনা অকবনি তৌইগুম্বস্লুং কামনা অক্লবা নত্তে, প্রেমনা কৈদৌঙৈদস্লু কাম ওইবা যাদে।

অশেংবা—জগৎকী অমাংবা মাযা যাওদ্রবা, অপ্রাকৃত, চিন্ময়। প্রেম হাঙ্গবসি অশেংবনি হাঙ্গবদি অপ্রাকৃত (মায়া যাওদবা) চিন্ময়নি। অমোংপা লৈত্রবনি, ইশা নুংঙাইনবা নীংবা অমোংপা যাওদ্রবনি, কামদি অরূপা নত্তে, কামদা মশা নুংঙাইনবা নাথন লৈ। মরম অহুনা প্রেমনা কৈদৌঙৈদস্লু কাম ওইবা ঙমদে।

মতাং অসিদা হংনীংঙাই মচাক অমা লৈবে—গোপীশিংগী প্রেম অসিনা কাম ওইবা ঙাদ্রবদি গোযনা শ্রীকৃষ্ণগী পরমদা ভাব তৌবব্ "গোপ্যঃ কামাৎ" নচিংবা (শ্রীভা. ৭।১।৩০।) শ্লোক। বাম—হ্রাইদে শিঙ্জিন্নবিবা কবিগীনো? মাহুগী পাওখুমদি মথাগী শ্লোক অসিদ হাঙ্গবি গোপীশিংগী প্রেমদি কাম হাঙ্গনা খঙনৈ। তৌইগুম্বস্লুং থাক্লেশ বদি মাহুক্ (আত্মেন্দ্রিয় নুংঙাইনবা নীংবা) কাম নত্তে, মাহুনা কাম ওইবমবদি শ্রীউদ্ধবনচিংবা ভগবৎপ্ৰ নংশিজবা নিষ্কাম ভক্তশিংনা কৈদৌঙৈদস্লু গোপী-প্রেম ফংননবা পাদনক হাঙ্গজগনোইদবনি।

অমুক্তা হংবা থাই—গোপী প্রেমনা কাম নত্রবদি বরি মবমগীদমক "কাম" হাঙ্গকবিবনো? মাহুগী পাওখুম—"গোপীগী প্রেম-অচম্বা কাম নাম্ভ মহোশান। কাম হাঙ্গকবনি, গুন-লীলা মাহৌ হাঙ্গহুন ॥ ২।৮।১৭৭ ॥" কনা শান্নবগা প্রেমনা শান্নবগা মপানথোংদা অযাম্বা মান্নে হাঙ্গহুনা গোপী প্রেম কাম হাঙ্গনৈ—তৌইগুম্বস্লুং মাপানথোংদা মান্নবস্লু কামনা শান্নবগা প্রেমনা শান্নবগা উদ্দেশ্য (বাখন, থৌবম) থান্নদে, তিন্নদে—প্রেমগী মশক্তি কাম নত্তে। প্রেম—শংনচুনা (থেংথিনহুনা) অমদি কবিগুম্বা মওং অমদগী অমগা অমগা কাঙ্গনবা যাবা মবম কযামক লৈরবস্লু কাঙ্গনবা যাদবা পুকচেল্লা পুক্লিস্লিবা অহুবু প্রেম কৌই। কামগী পুকচেন চেনবা মীশিংদি মশা মশাগী নুংঙাইনবা, ওইজনবা খিনবদা কবিগুম্বা মবম অমদগী অমগা অমগা খংনহুনা লাল তৌনহুনা মথরাই ফাওবা মাঙনবি।

তথাহি ভক্তিরসামৃতসিন্ধৌ পূর্ব্ববিভাগে (২/১৪৩)

প্রেমৈব গোপরামাণাং কাম ইত্যগমৎ প্রথাম।
ইত্যুদ্ধবাদয়োঽপ্যেতং বাঞ্ছন্তি ভগবৎপ্রিয়াঃ ॥২৫

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লো। ২৫। অন্বয়। গোপরামাণাং (গোপ-সুন্দরীদিগের) প্রেমা (প্রেম) এব (কেবল) কামঃ (কাম) ইতি (এইরূপে) প্রথাং (খ্যাতি) অগমৎ (প্রাপ্ত হইয়াছে)। ইতি (যেহেতু অতএব) উদ্ধবাদয়ঃ (উদ্ধবাদি) ভগবৎপ্রিয়াঃ (ভগবদ্ ভক্তগণ) অপি (তাঁহারাও) এতং (সেই প্রেম) বাঞ্ছন্তি (করিয়া থাকেন)।

অনুবাদ। ব্রজগোপ-সুন্দরীগণের প্রেম (সুরসিকা) অতএব "কাম" বলিয়া খ্যাতি (লাভ করিয়াছে), (তাঁহাদের প্রেম সাধারণ কাম নহে) যেহেতু উদ্ধবাদি ভগবদ্ ভক্তগণও তাঁহাদের প্রেম প্রাপ্তির ইচ্ছা করিয়া থাকেন (প্রার্থনা) ২৫

শ্রীকৃষ্ণের বৃন্দাবনলীলা মথুরা দ্বারকা [illegible] ব্রজবাসী [illegible] কথা লিখেন। [illegible] শ্রীকৃষ্ণগণ [illegible] উদ্ধবকে [illegible] মহারাজ নন্দ [illegible] [illegible] শ্রীকৃষ্ণের [illegible] [illegible] প্রেম [illegible] [illegible] বৃন্দাবন। [illegible] প্রার্থনা করিয়াছেন "আসামহো চরণরেণুজুষামহং স্যাং বৃন্দাবনে কিমপি গুল্মলতৌষধীনাম্। যা দুস্ত্যজং স্বজনমার্য্যপথঞ্চ হিত্বা ভেজুর্মুকুন্দপদবীং শ্রুতিভির্বিমৃগ্যাম্ ॥

থাঁহারা [illegible] সর্ব্বত্র [illegible] শ্রীমুকুন্দের [illegible] গোপীদিগের চরণরেণু সেবনের (চরণ রেণু সেব) বৃন্দাবনে হৌবির [illegible] (হিদাক কামনা) [illegible] অমত [illegible]। শ্রী ভা ১০।৪৭।৬১ ॥

কাম-প্রেম দোঁহাকার বিভিন্ন লক্ষণ।
লৌহ আর হেম যৈছে স্বরূপে বিলক্ষণ॥১৩৯
আত্মেন্দ্রিয়-প্রীতি-ইচ্ছা-তারে বলি 'কাম'।
কৃষ্ণেন্দ্রিয়-প্রীতি-ইচ্ছা ধরে 'প্রেম' নাম॥ ১৪০

অথ ,—

কাম-প্রেম অনি অসি তোঙান-তোঙানবা মওংনি।
য়োংকা সনাগা খেন্নবা মশক 'হুগুম্বনি'॥
ইশাগী ইন্দ্রি পেন্নবা নীংবা অত্থনা 'কাম'।
কৃষ্ণগী ইন্দ্রি পেন্নবা নীংবা অত্থনা 'প্রেম'॥ ১৪০

গৌর-কৃপা টীকা

[illegible] নাপী "ইবা যংজবা গোকুলদি উত্থন এদি গোপীশিংনা চন্নগা উফল মবাংকাঙ্গনা [illegible] লাইবকক[illegible] হাঙ্গবত্থ ওইনা তাম্নে, মনমদি মখোঙ্গী চবণগী উফুল লোকচবদা মখোঙ্গী তুং ইননা [illegible] লাইবব ফবা হাঙ্গবত্থ ওই অমস্তুং মখোঙ্গী তুং ইনবত্থনা শ্রীকৃষ্ণচরণ্ডা মখোঙ্গী মাঙনা প্রেম [illegible]॥" উদ্ধবনা অমক্তা হাঙ্গখি "বন্দে নন্দব্রজস্ত্রীণাং পাদরেণুমভীক্ষ্ণশঃ। যাসাং হরিকথোদ্গীতং পুনাতি ভুবনত্রয়ম। -অমসুং [illegible] অসিনা হরিগী [illegible] শক-শোনবদা মবোন অত্থনা ([illegible]) অনাবা [illegible] মখোঙ্গী চবণগী উবাবু [illegible]। শ্রীভা. ১০।৪৭।৬৩" । [illegible] ভাগবত [illegible] উদ্ধবন বক্সী [illegible] ১৫ [illegible] মযাম অসিদগী [illegible]।

১৩৯। কাম অমসুং প্রেম [illegible] খেন্নব [illegible]।

[illegible] নিং [illegible] মখোঙ্গী [illegible] খেন্নবনি [illegible] সনাগা মশক তোঙান-তোঙানবনি, অত্থ[illegible] প্রেম অমসু [illegible]। [illegible] য়োং অনি অসি [illegible] মচাব[illegible] [illegible] অমসু প্রেম [illegible] মচা[illegible] মান্নদে। কামনা অ[illegible] মায়া শক্তিগী [illegible] প্রেমনা অপ্রাকৃত স্বরূপ শক্তিগী (চিচ্ছক্তিগী) ম[illegible]। মতুংগী পযার ১৪০ দগী ১৭৬ [illegible] অনসুং পমগী মশক হাঙ্জবি।

১৪০। মওং খেন্নবা মবম অত্থনা অর্থ অমত্তা ওইববসু [illegible] তোঙান-তোঙান্নে। কামগী লাম্বেন্না অত্থবা মপানগী মায়াশক্তিগী মাইকৈদা চংশিবনা শ্রীকৃষ্ণগী মাইকোবামদা

কামের তাৎপর্য্য—নিজসম্ভোগ কেবল।
কৃষ্ণসুখতাৎপর্য্য—হয় প্রেম ত প্রবল॥ ১৪১
লোকধর্ম্ম বেদধর্ম্ম দেহধর্ম্ম কর্ম্ম।
লজ্জা ধৈর্য্য দেহসুখ আত্মসুখ মর্ম্ম॥ ১৪২

অর্থ :—

কামগী লমচৎনা মশাগী পেন্নবা তৌবনি।
প্রেমগী লমচৎনা কৃষ্ণগী পেন্নবা তৌবনি॥ ১৪১
মীগী ধর্ম্ম বেদধর্ম্ম হকচাংগী ধর্ম্ম কর্ম্ম।
ইকাইবা হকচাং নুংঙাইবা আত্মসুখ মর্ম্ম॥ ১৪২

গোর-কৃপা টীকা

চৎলক্রে—জীব মশাগী পেন্নবা হোৎনবদা পুক্নিং চংখরে। অদুগা প্রেমগী লম্বেন্না ঈশ্বর শক্তিগী মওং ওইবনা শ্রীকৃষ্ণগী মাইকৈরোমদা চংলকুনা কৃষ্ণগী ইন্দ্রি পেন্নবা তৌবদ পুক্নিংচংখরে। মরম অদুনা কাম অমসুং প্রেম অনি অসি 'পেন্নবা নীংবা' খণ্ডনরবস্তু আত্মেন্দ্রিয়-পেন্নব নীংবা অদুনা কাম কৌই অমসুং কৃষ্ণেন্দ্রিয়-পেন্নবা নীংবা অদুনা প্রেম কৌই। কামগা প্রেমগা খেন্নবা অদু অসিনি।

১৪১। মশাগী নুংঙাইনবতা হোৎনবা অসিনা কামগী অরোইবা মথৌ ওইখরে, অদুগা শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইনবতা হোৎনবা অসিনা প্রেমগী অরোইবা মথৌ ওইখরে। কাম্না করি করিগুম্বা মতমদা অতোপ্পগী নুংঙাইনবা হোৎনবা উবা য়াওই, মাদু মশাগী নুংঙাইহনবা হোৎনবদা নাতৈ অমা চানরুবনি, তশেংনা অতোপ্পা অদুগীতা নুংঙাইনবা হোৎনগে হাঈনা নীংদুনা তৌবা নত্তে; অতোপ্পগী নুংঙাইনবা হোৎনব অদু মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনবগা মতুং ঈনবনি। মতৌ অসুম তৌনা নীংলকপগী মরু অদু আত্মা নুংঙাইনবনি হাঈদুনা মাদুবু কাম্ কৌই। কৃষ্ণগী পেন্নবা—কৃষ্ণগী নুংঙাইনবতা নীংব অদুবু প্রেম কৌই। প্রেম অসি মপাঙ্গল য়াম্না কনখরে, শক্তি পুম্নমক্কী মপু ওইরিবা স্বয়ং ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণবুসু খুদম চনবা ঙম্মী। ভক্তিরেব গরীয়সী-শ্রুতিঃ।

১৪২—৪৪। মীগী ধর্ম্ম—মীগী চৎনবী, মীগী সমাজদা লৈবা তারবদি অমগা অমগা নুংশিনবা, মর্য্যাদা ঙাকনবগীদমক লমচৎ ফজবা পুম্নমক ঙাকদবনি, পুম্নমক অদু মীগী ধর্ম্ম কৌই। করাগুম্বা অমনা ঐনা খুদোংথীবা তারিবৈগী মতমদা ঐগী য়ুমদা লেংবিরদুনা

স্বত্যজ আর্য্যপথ নিজ পরিজন।
স্বজনে করয়ে যত তাড়ন-ভর্ৎসন॥ ১৪৩
সর্ব্বত্যাগ করি করে কৃষ্ণের ভজন।
কৃষ্ণসুখহেতু করে প্রেম-সেবন॥ ১৪৪

অর্থ :—

লাই গুরুশিংগী লম্বী থাদোকপদা য়ারবা।
ঐগী ইমুং-মম্নুং ওইবা মীনা য়ারকপা চৈবা॥ ১৪৩
পুম্নমক থাদোক্লগা শ্রীকৃষ্ণবু নীংই।
কৃষ্ণ নুংঙাইনবা মবমদা প্রেম সেবা তৌই॥ ১৪৪

গৌর-কৃপা টীকা

উপায় তৌবিবরবদি, ঐস্ম মহাক্কী অরাবা তাবা মতমদা উপায তৌফম থোকই। মাতু ঐনা তৌকদ্রবদি, ঐনা অরাবা তাবা মতমদা কনাগুম্বা অমতনা ঐবু হংনিররোই, মীনা ঐবু হংবিবদ্রবনিনা (উপায় তৌবিদ্রবনিনা) ঐনা খুদোংথীবদা তাবিবা অতু মতম শাংনা কোক্তবা তাবে, অতুগা ঐগী মিংচৎম্ম কজরবোই, ঐনা মীগী মতেং পাংবিকববদি পুম্নমক্লা ঐনস্ম তেংবাংবিগনি, ঐগী খুদোংচাবস্ম যাম্না ফংগনি। পুম্নমক অসিবু মীগী চংনবী (মীগী ধর্ম্ম) কৌই, মাগী ধর্ম্ম ঙাক্লুবগা ইশাগী খুদোংচাবা ফংঙী, মবম অতুনা মীগী চংনবী ঙাকপা হাঙ্গবা অসি কামগী মনুংচল্লী (আত্মেন্দ্রিয-পেন্নবনি)।

বেদ ধর্ম্ম—বেদগী মতু ইন্না থবক তৌবা গচ্ছ নিংখংপনচিংবা, বেদগী মতুংইন্না থবক তৌজরগা হযেংমুক্কী লোক্তা স্বর্গনচিংবা নুংঙাইবা মফম ফংবা অমস্নুং হন্দক্কী মপোক অসিদন লল মবাংকাইনা কংই। মতৌ অসুম তৌবা অসিস্ম আত্মেন্দ্রিয (ইশাগী ইন্দ্রি) পেন্ননবা তৌবগী মনু চল্লি হান্দতুনা বেদ ধর্ম্মস্ম কামগী মনুং চল্লী। হকচাংগী ধর্ম্ম কর্ম্ম—হকচাংগী ধর্ম্ম ওইবা থবক, অবাম্বা, খোবাংবা অসিনচিংব অসি হকচাংগী ধর্ম্মনি, অরাম্বা, খোবাংবা কোক্লনবগীদমক করিগুম্বা থবক থবা তৌবিবা অতু হকচাংগী ধর্ম্ম ওইবা থবক্কি হাঙ্গবদি হকচাংগী ধর্ম্ম-কর্ম্মনি। অবাম-খোবাংবনচিংবা লোক-হল্লগা মশাগী নুঙাইনবা তৌবা অসি থবক্ক পুম্নমক্কী হৌননী ওইনা তেই হাঙ্গতুনা হকচাংগী ধর্ম্ম ওইবা কর্ম্মস্ম কামগী মনুং চল্লী। ইকাইবা—হঙ্গোইবা, ইকাইববু ঙাক্রুবদি

গৌর-কৃপা-টীকা

সম্বাক্কী মমাংদা (মীরক্-তিন্‌বদা) চোম্না ফংঙী, অরাবা ফংঙী, মরম অহুনা ইকাইবা ঙাক্লনবা হোৎনবা অসি ইশাগী নুংঙাইনবা (আত্মসুখ) হোৎনবা কৌই হায়রুনা মাসিসু কাম্‌গী মসুং চল্লী। খাঙবা কনবা—উইন্ কন্‌বা; খাঙবা কস্রবদি মাঙ্গথীবা ফংই, মতম অয়াম্বা খুদোং থীবদা তাবা য়াই, খাঙবা কন্‌বা হাঙ্গবা আত্মসুখ ইশা নুংঙাইনবা হোৎনবনি হায়রুনা মসিসু কামগী মসুং চল্লী। হকচাং পেন্নবা—হকচাং নুংঙাঙ্গনবগী মশক ওইবা থবক, মাদুদি খোঙ নোইবা, ঙলাং-থাদা হুমাই হুম্বা, নিংথম-থাদা মৈ-কুংশা য়াইবনচিংবা। মাসি আত্মেন্দ্রিয় ইশাগী পেন্নবা তৌবা থবক্নি হায়রুনা, হকচাংগী নুংঙাইনবা হোৎনববুসু কাম্‌গী মসুং চল্লী। থরাই হকচাং নুংঙাইনবা মরম—ইশাগী নুংঙাইনবা তৌবতনা মরমনি হাঙ্গনা খনবা অদু আত্মসুখ মর্ম-কৌই, রাহে অসি মীগী ধর্ম—বেদ-ধর্মনচিংবগী বিশেষণনি। পুন্নদোরিবা-ভাব-মপুদি, মীগী ধর্ম, বেদ ধর্ম, হকচাংগী ধর্ম-কর্ম, ইকাইবা, খাঙবা-কনবা অমসুং হকচাং পেন্নবা—পুম্নমক অসি ইশাগী নুংঙাই-নবগীদমক্তি (আত্মসুখগীদমক্তি), মবম অসিনা পুম্নমক অসি কামগী মসুং চল্লী। 'আত্মসুখ' রাহে অসি 'পুক্নিংগী নুংঙাইনবা' রাহৈগা অর্থ মান্নবা নত্তে, মবম অহুনা গ্রন্থকাবনা পুক্নিংগী নুংঙাইনবা রাহৈ শিজিন্নরমদ্রিবনি।

থাদোকপদা বাবব—ইলাই-লাঙ্গন হেক থাদোকপা যাদবা। বাহৈ অসি লাইগুরু জন্মা চেংলম্বা লম্বিগী বিশেষণনি। লাইগুরুশিংগী লম্বী—হুল লমম্না চংলম্নবা, শাস্ত্রদা যাওম্নিবা নিয়ম পুম্নমক। হাঙ্গনিবা লম্বী অসিদা কাঙ্গদনা চচ্চবিনা মী অদুব হৌনবা থঙবা লমচৎ-ব্যবহাব খঙবা-কৌই, অমসুং মখোঙ্গী অদুবু মী পুম্নমক্না ইকাইখুম্নে মর্য্যাদা তৌই। মাদুদি:—শাগেগী মৌশিংগী নফমদদি মপুবোইব নংনচিংনা। অসি লাইগুরু জন্মা চৎলম্ব লম্বিনি। মীওইবা মাজগী মসুংদা লৈন্নিবা মখেদি অহুল-লমম্না চেংলম্বা লম্বী অসি ইলাঙ্গ-লাঙ্গন। থাদোকপা ওমদে, শাগেগী নুপীশিংন মথরাই থাদেকপদি ওং, তৌই ওুম্বসুং মপুবোংবা নীংবদি (সেবাদি) থাদোকপা ওমদে, কনিংগুম্ব থাদোকলুববদি মী পুম্নমক্না মাবু নোক্লে, মীরক তিনবদা নাগী ফজবম, লেমজনফম শুবলৈ-লৈতে। অদুগা নুপীশিং অহুনা লাই-গুরুশিংনা চংলম্বা লম্বিদা চৎলিবা মখেদি, মখোঙ্গনা মীরক তিনবদা লেমজনফম ওই, মীবা ইকাই-খুম্নে অমসুং পুন্সিচুম্না নুংঙাইবা ফংঙী, মতৌ অম্সুম তৌবা লাইগুরুগী লম্বী ঙাক্তনা চৎলিবা অসিবুসু মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনবগী মসুং চল্লী হায়রুনা মাসিসু কামগী মসুং-চল্লী। এগা ইমুং-মসুং ওইব। মীনা—ইপা, ইমা, ইচিন ইনাও, মনেম-মকু অসিনচিংবা। শাগেগী মৌ ওইরিবা নুপী পুম্নমক অহুনা মমা-মপা,

গৌর-কৃপা-টীকা

মমেম-মকু অসিনচিংববু থাদোক্তুনা মখোয়গী য়াথং ইন্দ্রবদি মীয়ক তিনবদা ইকাইবা নংই, মাবু মীনা লোক্লে অমত্তুং ওমখৈ লৈতনা অয়াম্বা ফংই। ইমুং-মত্তুং ওইবা মীগী য়াথং ইন্দুনা মখোঙ্গী মনাক্তা লৈয়গা মশাগী নুংঙাইবা ওই; অদুনা মাত্তুং মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনবগী মত্তুং-চল্লী হাঙ্গদুনা কামগী মত্তুং-চল্লী। য়ারকপা চৈবা—য়ারকপা, ফুবা। ইমুং মত্তুং ওইবা মীনা য়ারকপা চৈবা লাইগুরুশিংগী লম্বী থাদোক্লবদি ইপা-ইমানচিংবনা ফুই, চৈ-থাংঙী। ফুবা-চৈ থাংবা অদুবু কিত্তুনা লাইগুরুশিংগী য়াথং ওাক্তুনা লৈববস্তু ইশাগী নুংঙাইবা থিবা কৌই। মরম অদুনা মাত্তুং কামগী মত্তুং-চল্লী।

মীগী ধর্ম্ম-বেদগী ধর্ম্মদগী চৈ-থাংবা ফাওবা অসি, ইশাগী নুংঙাইবা থিবগী মত্তুংচল্লী হাঙ্গদুনা কামগী মত্তুংচনখরে।

পূম্মক থাদোক্লগা—মীগী ধর্ম্ম, বেদগী ধর্ম্মনচিংবা পূম্মক থাদোক্লগা। ব্রজ গোপী-শিংনা মীগী ধর্ম্ম বেদগী ধর্ম্মনচিংবা পূম্মক অসি থাদোক্লগা শ্রীকৃষ্ণবু নীংই (সেবা তৌই); য়াহৈ অসিনা খওনল্লিবদি মশা-মশাগী নুংঙাইনবগীদমক (আত্মসুখগীদমক) মখোয়না কবিগুম্বা অমতা খল্লবা লতরে; করিগুম্বা খল্লম্বা থোক্লবদি মখোয়না মীগী ধর্ম্ম-বেদধর্ম্ম লাইগুরুশিংগী লম্বীনচিংবা পূম্মক থাদোক্তুনা কৈদৌউদম্তু কৃষ্ণ-সেবা তৌবদা থল্লাই য়াওরোংদবনি। মীগী ধর্ম্ম—বেদধর্ম্মনচিংবা অসি আত্মসুখ (ইশা নুংঙাইনবা) গীদমক লিংখৎপনি, ইশাগী নুংঙাইনবগী য়াথন খজিক্তুংবু খল্লববদি মখোয়না পূম্মক অসি কৈদৌউদম্তু থাদোকপা ওগ্নোইদবনি, ব্রজগী ফজবীশিংদি পূম্মক অসি থাদোক্লে, লাইগুরুশিংদগী লম্বীনচিংবা থাদোকপা মরম্মা ইমুং-মত্তুং মা অহল-লমন লাইগুরশিংনা চৈ-থাংবদা মাইথোং মকশিন্দরে—শ্রীকৃষ্ণগী সেবাগীদমক, সেবা তৌজদুনা শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইহনগে হাঙ্গবগী-দমক। কৃষ্ণ নুংঙাইনবা মবমদা অসিনচিংবা—শ্রীকৃষ্ণ নুংঙাইনবগীদমক মশাগী নুংঙাইবা পূম্মক থাদোক্তুনা অমত্তুং মশাদা য়াম্না অয়াবগী মশক ওইবা অহল-লমন্না-চৈবা থাওবা অমত্তুং থল্লাম থাদোকপদগীসু হেন্না অয়াবগী মশক ওইবা লাইগুরুগী লম্বী থাদোক্তুনা ব্রজগী ফজবীশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌই। প্রেম সেবা তৌই—য়াম্না নুংশিবগা লোঙ্গননা ইবুঙোগী মহাক্কী সেবা তৌই; অহল-লমনগী লম্ব থাদোক্তুনা, অহল-লমনগী চৈ-থাংবা থাওতুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবদা মখোয়না য়াই হাঙ্গনখন্দে। শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফংজরে হাঙ্গনা খল্লুবদা মশা অদু মহয় য়াম্লে, অমত্তুং লাইবক ফবী ওইরে হাঙ্গনা মপাক্লিংনা নীংঙী। মতৌ অসিদগী খওবা ওম্মা, শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইনবগীদমক্তা মখোয়না মীগী ধর্ম্মনচিংবা পূম্মক থাদোকই। মীওইবগী সমাজদা উবা ফংলি, কনা কনাগুম্বন

ইহাকে কহিয়ে কৃষ্ণে দৃঢ় অনুরাগ।
স্বচ্ছ ধৌত বস্ত্রে যেন নাহি কোন দাগ ॥১৭৫

অর্থ —

মাসিবু কৃষ্ণদা অচেৎপা অনুরাগ কৌই।
শুরবা অঙৌবা ফিদা দাগ লৈতবগুম্নই ॥১৪৫

গৌর-কৃপা টীকা

মশাগী সুংঙাইনবা থিবগী এবমদা (করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা অরাবা ফংগদবা অদু বানীংদহুনা) বেদধর্ম্মনচিংব। অদু থাদোকই, কনাগুম্বা ওক্তবী সুপীনসু অতোপ্পা নীপাগী ব্রাখন্দা লাইগুরুগী লম্বি থাদোকই, মখোযনা বেদধর্ম্ম, অহল-লমনগী লম্বী থাদোক্লিবগী মক্ল ওইবা মরমদি মশাগী সুংঙাইনবা থিবা ওইরম্মী হাঙ্গিহুনা মাহুসু কামগী মসুংচল্লী—প্রেম নত্তে, তৌইগুম্বসুং ব্রজগী ফজবশিংনা পৃম্মমক থাদোক্লিবদি—কৃষ্ণগী সুংঙাইনবগী-দমক্তি, মশাগী সুংঙাইনবগীদমক নত্তে, মবম অহুনা হাঙ্গিবনি "কৃষ্ণ সুংঙাইনবা মবমদা অসিনচিংবা। মরম অসিনা ব্রজগী ফজবীশিংগী লমচংতি প্রেম্নি (কৃষ্ণগী ইন্দ্রি পেম্নব তৌবনি)—কাম (মশাগী সুংঙাইনবা তৌবা) নত্তে। শ্রীকৃষ্ণগী সেবাগীদমক মাখায়ন মীগী ধর্ম্মনচিংবা থাদোকপা অদু প্রেমগী খুদম্নি।

১৭৫। মাসিবু—গোপীশিংগী এথক্না হাঙ্গিগ্রিব লমচৎ ব্যবহার অসিবু, ব্রজগী ফজবীশিংনা ভাব অমদা লেপ্লগা, ভাব অদুগী মখা পোন্দুনা শ্রীকৃষ্ণগী সুংঙাইনদবগীদমক মীগী ধর্ম্ম-বেদধর্ম্ম-লাইগুরুগী লম্বিনচিংবা পৃম্মমক থাদোক্লুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবাদা পুক্লিং চংলিবা ভাব অদুবু। অচেৎপা—কুৎশিন্নবা, ভাব মহুদা অতেপ্পা কবিগুম্বা বাখল অ.। চ লক্তুনা প্তুগাইবা উমদ্রবা, মাহুবু অচেৎপা কৌই।

অনুরাগ—সুংশিবা বাগ মহুনা অসুম অসুম হেনগংলকপগী ফিবম অদুগী মমিং অনুরাগ কৌই। অদুগা উনগ্রবা খঙনগ্রবগী মতুংদা খৌরাংনরবপা অদুবুসু অনুরাগ কৌই। (দ্বিতীয় গুচ্ছ, প্রথম লহরী, শ্রীকীর্ত্তনগীত রত্নাবলী)। সুংশিবা অসিনা অসুম অসুম হেনগংলক্তুনা শ্রীকৃষ্ণ ফংবা তাবে হাঙ্গনা লেপ্লবা, মতম অহুদা যাম্না অরাবরুসু সুংঙাইবনি

গৌর-কৃপা টীকা

হাঙ্গনা খল্লবা, ফিবম মওং অদুবু রাগ কৌই। "দুঃখমপ্যধিকং চিত্তে সুখত্বেনৈবা ব্যজ্যতে যতস্তু প্রণযোৎকর্ষ্যাৎ স রাগ ইতি কীর্ত্যতে ॥ উ,নী,স্থ,৮৪॥" অদুগা অমুক রাগ অসিনা চাওখৎলক্লবদি রাগ লৈবিবা মী অদুগী মশা অদু মতম লৈবা থিবিক্তা ইনৌতা নৌখবে ১সুং রাগ লৈবা মীগী মকমদগী নানা সুংশিজরিবা মী অদুগী রূপ-গুণ মাধুর্য্যনচিংবা তারবস্থ, মমাংউেদা অমুক্তা তাখিদ্রি হাঙ্গনা খল্লী হাঙ্গবদি খোয়াংবা হেক্তিন্দুনা সুংশিজরিবা অদুগী রূপ-গুণ মাধর্য্যনচিংবা অদু নিকুপ খুদিংগী ইনৌতা নৌহনা লৈ হাঙ্গনা খল্লী—মতম অদুদা অদুম ওইবা রাগ অদুবু অনুরাগ কৌই। "সদানুভূতমপি যঃ কুর্য্যান্নবনবং প্রিয়ম। যাগো ভবন্নবনবঃ সোহনুরাগ ইতীর্য্যতে॥ উ,নী,স্থা, ১০২॥" ব্রজসুন্দরীশিংনা শ্রীকৃষ্ণসেবাগীদমক লাইগুরুনা চৎলন্না লন্নানচিংবা থাদোকৃপগীদমক য়াম্না অরাবা তাবা অদু খাওখি, চৈ-থাংনন চিংবগী ঞ চাইওবা অরাবস্ত্র খাওখি, অরাবা পূম্নমক অসি খাওজবগী নপান্না শ্রীকৃষ্ণ সেবা ফংজবা ন০মদা মখোইনা অরাবা পূম্নমক অদুবু যাম্না নুংঙাইহবনি হাঙ্গনা নীংঙী, শ্রীকৃষ্ণগা নফমদা মখোইনা গুংশিজবা অদু অস্নকী মতিক চেৎখরে, শ্রীকৃষ্ণগী সেবা খুদোংচাবা ফংদুনা ০০ভবনস্ম সেবাগী খোয়াংবা অদু ইকোক-কোকপা লৈতে, থোইনা তেন্নদুম খোবা বা হনগংলবই, খোয়াংবা হেনগংলকপা অদুনা নতম পূম্নমক শ্রীকৃষ্ণ সেবা ০০বরস্থ মতম পুঃমবক্কা ইবুংঙো মহাকী রূপ-গুণ-মাধুর্য্যনচিংবা অদু ফংলবস্থ নমাংউেদা অমুক শক্রশংননা ফংদ্রি হাঙ্গনা মপুক্লিনা নংঙী, মিকুপ খুদিংগী শ্রীকৃষ্ণগী রূপ ০ন্নচি বা চাননবগী (ফংননবগী) দমক যাম্না খোবা বা পোকপা। ৩সিদা, মখোইনা নমাংউেদা বদৌউেদস্ম অমুক শ্রীকৃষ্ণ দর্শন্নচিংবা ফংদ্রি হাঙ্গনা পুক্লিংনা নীংঙি। মখোইগী খোয়া না তদু অস্নকী ০০িব ননখবে, মাদুগী মনুংদা নশাগী নুংঙাইনবা হননা য়াহন অদু শম্না নফে ৩০গী ন০০ চ০া ওমদে। শ্রীকৃষ্ণদা অনুবাগ লৈকবগীদমক শ্ম-মতুংগী অহললমন্না চৈ-থাংবনচিংবা ০ভারবস্থ মখোইগী খোবা বা অদু মযেং ০াহনবা (পাথোকহনবা) ওমদে। মাসি শ্রীকৃষ্ণদা অচেৎপা অনুরাগ লবগী খুদম্নি। অনুবাগ অসি প্রেমগী খুদম্নি, ৩মসুং স্বরূপ-শক্তিগী নওংনি।

ফি অত্ত য়াম্না শেংনা ফজনা শৎদোক্রবদি, মশা পূম্নমক পুমডো-ডৌই, মাহুদা কবিগুপ্না অমোংপা চুবগী দাগ অমা ফাওবা লেতে, অদুগুমদুনা শ্রীকৃষ্ণদা গোপীকাশিংনা অচেৎপা প্রেম লৈরিবা মওং অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙইনবা নত্তনা অতৈ করিগুপ্না অমত্তা উবা ফংদে, মশাগী নুঙাইনবা নংবা অত্ত শম্না মফৈ অমা ফাওনা যাওদবে।

অতএব কাম প্রেমে বহুত অন্তর।
কাম অন্ধতম, প্রেম নির্ম্মল ভাস্কর॥ ১৪৬

অর্থ :—

মরম ত্থুনা 'কাম'গা 'প্রেম'গা য়াম্না লাপ্পনি।
কাম্না অমম্বনি, প্রেম্না ঙমিংকুম্বনি॥ ১৪৬

গৌর-কৃপা টীকা

১৭৬। মথক্কী পয়ার ১৩৮দা গোপীশিংগী প্রেমদি মশাগী নুংঙাইবা থিবা কাম ওইদ্রে হায়না খঙদুনা, পয়ার ১৩৯—৪৫ কাওবদা প্রেমগী মখলগা মিচাক ফৌবদা—কামগা প্রেমগা অমি অসি খুবাক-থুনম ওইদ্রে হায়না লেপ্রে।

মরম অদুনা কাম কৌবা অসিনা মপানগী (জগৎকী) মায়াশক্তিগী মশক্নি অমসুং প্রেম কৌবা অসিনা মন্নুংগী চিচ্ছক্তিগী মশক্নি; প্রেম্না কৃষ্ণ পেন্নবা হোৎনবদা অন্নাবা থেংনবা পুম্নমক অদু নুংঙাইবনি হায়না লৌই, অমসুং মতম লৈবা খিবিঙ্ক। খওজনা কৈরবম্ব মিরূপ খুদিংগী শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্যনচিংবা অদু ইনোজা পৌই হায়না নাংঙী: তৌইওন্দ্র কাম হায়না অসিদি মতৌ অদুগুম্না তৌদে; কামনাদ মশাগী নুংঙাইনবত নীংবা মন্নম্না য়াম্না মরক থেংনবা অদু কৈদৌঙৈদা নুংঙাকবনি হায়না লৌব ঙমদে। মরম পুম্নমক অসিনা কাম অমসুং প্রেম অমি অসি য়াম্না খেইনে।

কাম অমসুং প্রেমগী খেৎবা অসি মুমিং অমসুং অনানদা থুদন পীদুনা কোংদোক্লে। মুমিং অমসুং অমত্তা ওসি অমগা অমগা য়েক্লবনি অদুগুমদুনা কাম অমসুং প্রেমসু অমগা অমগা য়েক্লবনি। অমগা মফমদ, মুমিং চংবা ঙমদে, অদুগুমদুনা মী অদুগী থমোইদা কাম লৈরবদি প্রেম চংবা ঙমদে। অদুগা অমুক অরংবা মুমিং লৈবা মফমদা অমম্বা চংব ঙমদে, মুমিং হেক থোরকপদা অমম্বা অদু লাপ্না চেনখি—অদুগুমদুনা মী অদুগী থমোইদা অশেংবা প্রেম লৈরবদি থমোইদ অদুদা কাম লৈবা ঙমদে—প্রেম হেক কাওরকপদা কাম অদুনা থমোইদগী লাপ্না চেনখি। মরম অদুনা গোপীশিংগী থমোইদ অশেংবা প্রেম লৈবা মরম, কাম চংবা ঙমদে—কামগী মনম কাওবা লৈতে।

অতএব গোপীগণে নাহি কামগন্ধ।
কৃষ্ণসুখ-লাগি মাত্র কৃষ্ণে সে সম্বন্ধ॥ ১৪৭

অর্থ :—

অতুনা কামগী মনম লৈত্তে গোপীশিংদা।
কৃষ্ণ পেমবগী মরী থম্বনি কৃষ্ণদা॥ ১৪৭

তথাহি ভা. ১০।৩১।১৯)—
যত্তে সুজাতচরণাম্বুরুহং স্তনেষু ভীতাঃ শনৈঃ প্রিয় দধীমহি কর্কশেষু।
তেনাটবীমটসি তদ্ব্যথতে ন কিংস্বিৎ কূর্পাদিভির্ভ্রমতি ধীর্ভবদায়ুষাং নঃ॥২৬

গৌর-কৃপা-টীকা

১৪৭। অতুনা—কাম অমসুং প্রেম, যাগা খোশ হান্নীতুনা; কাম অমসুং প্রেম পেনবদি অমগা অব রা-মুমিংকা খেন্নবগুম্বনি হান্নীতুনা গোপীশিংদা নচিংবা—কৃষ্ণগা চানবী গোপীশিংগী মন্নুংদা মশাগী নুংঙাইনবা নীংবা কাম অদু শুত্রে লাং, কামগী মনম ফাওনা লাতে।

তংবিবা যই, গোপীশিংগী মন্নুংদা কামগী মনম ফাওবা লৈত্রবদি মখোয়না শ্রীকৃষ্ণগ লোইনবা ওস্নক যাম্ন খৌরাংলিবা করিগীনো? মাসিগী পাওখুম—গোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণগা নকুনা পামজবিব অসিদি শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইনবগীদমক সেবা তৌবা পামজবনি, মশা-মশাগী নুংঙাইনবগীদমক নত্তে। মরী থম্বনি কৃষ্ণদা—কৃষ্ণগা মখোয়গা মরী লৈননা। শ্রীমদ ভাগবতকী শাস ৩.৩ উত্রনা পমাণ পীজরি

শ্লো। ২৬ অন্বয়। প্রিয় (হে চাম্নখোইবা)! তে (নংগী) যৎ (অদুম ওইবা) সুজাত চরণাম্বুরুহং (যাম্না থোংলবা নখোং থম্বাল) কর্কশেষু (কন্নবা) স্তনেষু (থবাক অমুত লৈকমদা) ভীতাঃ (কিত্থনা) শনৈঃ (তপ্প-তপ্প) [বয়ং] (ঐখোয়না) দধীমহি (হাপচরি, কোঙ্গরি), তেন (অদুম ওইবা নখোং থম্বালতুনা) অটবীং (বন, ডমং) অটসি (কে ঙনা চৎপদা), তৎ (নখোঙ থম্বান অদুদা) কূর্পাদিভিঃ (নুংমচিনতুম্নলা) কিংস্বিৎ ন ব্যথতে (থিনবদা, যুবদা নাদবরা)? ভবদায়ুষাং (নংদি ঐখোয়গী থবাইনি, পুন্সিনি) নঃ (ঐখোয়গী) ধীঃ (বুদ্ধি, থমোই) ভ্রমতি (ওক্রে, হারে)।

গৌর-কৃপা টীকা

অনুবাদ। হে চায়থোইবা! নংগী য়াম্না থোংশ্রবা নখোঙ-থম্বান অদু ঐখোয়গী থবাক্তা থুনা থমজনীংবদা, অকনবা থোম অসিদা থম্বগা ইবুংঙোদা অন্নাবা পীবা ওইনা থোক্খিবা যাত হাঙ্গনা চিংনতুনা (কিতুনা) তপ্প-তপ্প কোক্লিজরি, নংগী অথোংপা নখোং থম্বাল অতুনা (শুহিংদা) বন খুদিংদা কোইচং-চংপা অদুদা নুং মচিনতুম্বনা নখোং থম্বান্দা মুবদা খিনবদা নাদবরা? (শোইদনা নাবমগনি, অসি খল্লুবদা) ঐখোয়গী থমোই অসি য়াম্না য়াখয়ে, মবমদি, নংনা ঐখোয়গী পুক্লিনি, থবাইনি, (মবম অতুনা বন্দা কোইরগনু নখোযগী নাকল লেংদনা লৈবিরো) ॥ ২৬ ॥

শরৎ থাগী (শারদীয়) মহারাস শান্নবগী অহি দা শ্রীকৃষ্ণনা রাসকী মফমদগী মাঙখি, মতম অতুদা ইবুংঙো মহাকপু ব্রজগোপীশিংনা বন-বন খুদিংদা কোঙ্গনা খিবকই, মতুদা মখোঙ্গনা উবা ফংতি, বনগী মফম খুদিংদা নুংকপ মুংজক, মচিন থৌব-থৈরবা য়ায়া তাত্তনা লৈ, অতুম ওইবা মুংজ্রং মথক অতুদা শ্রীকৃষ্ণনা লেঙবদা যাম্না থোংখম্বা মখোঙ-থম্বাল অদু য়াম্না নাহমগনি হাঙ্গনা চিংনতনা, ইবুংঙো মাগীদমক্তা য়াখিনবা খাংবা ডমদতুনা কপ্প-কপ্পতুনা মথক্কী শ্লোক অসি থী-খি (হ ঙ্গখি)।

সুজাত-চরণাম্বুরুহং সুজাতগী অর্থ যাম্না থোংপা অম্বুরুহগী অর্থ থম্বাল চরণাম্বুরুহ-থম্বানগুম্বা চবণ। থম্বান্দি মহৌশানা যাম্না থেংতি, থম্ব নগ চরণগা চাংদম্নরুবদি চরণ অদু য়াম্না থোংলি হঙ্গবা ফোংদোকপনি, অদুং ওইনমক সুজাত য়াহে শিজিন্নর্কিনগী মরমদি, শ্রীকৃষ্ণগী চবণ্ডি থম্বান্দগীসু হেংনা থোংলি হাঙ্গব ফোংদোকপনি। মরং অদুনা বজগী সুন্দরীমচাশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী চবণ অদু মখোযগী থবাক্ত। কোন সনজবদা অকিবা পোকই, মরমদি এগোয়গী মথাক্তি বর্কশ কল্লা, অকনবা পেংকা অথোংপা শ্রীকৃষ্ণগী চবণগ শোক্লবদা চবণ অদু নাখিবা য়াই, মাতুদা শ্রীকৃষ্ণ অন্নানা ফংখিবা যাই - অসুম হাঙ্গনা খল্লুবদা গোপীশিংনা অকিবা পোকপনি য়াহ খত হংবিবকপা যাই, অকনবা থবাক্কী মথক্ত, শ্রীকৃষ্ণগী অথোংপা চবণ অতুন থংদা নাখিবা য়াই হাঙ্গনা চিংনববদি, ব্রজগী সুন্দরী-মচাশিং এদুনা অথোংপা-চবণ ওতুবু অকনবা থলাক অতুদা কবি মরমগী কোন্নীং ওন্নিবনো? পাওথুম - শ্রীকৃষ্ণদি মাগোম্নী থে ইদোক-তেন্দোয়া চায়থোইবনি, ইবুংঙো নহাক্না নুংঙাইগাদোবা থৌবন অদুগা মাখোযগী মথৌ ওই। মথেয়গী অকনবা থবাক অতুদা চবণ কোনবা অদু শ্রীকৃষ্ণনা নুংঙাংগনি হাঙ্গনা খল্লী মরম অতুনা মখোয়না মাতু তৌদবা ওনাদ নয়মদি, শ্রীকৃষ্ণনা করম কবন তৌরগা নুংঙাইগদগে হাঙ্গবা অসিতা মখোয়না খল্লুন লৈ। চরণ অত থবাক্তা কোননিতুনা থম্বদা শ্রীকৃষ্ণনা নুংঙাইজে হাঙ্গবা অসি

গৌর-কৃপা-টীকা

তশেংনা উজ্ববন্ত্র থবাক্লদি কনবা অমস্তুং চবল্পদি থোংপা, অত্থু থঙবনিন নাবমগনি হাঈবসিগী চিংনবনা য়াম্মা রাজখবে ; মবম অত্তুনা শৈন - তপ্প-তপ্পা তপ্পি-তপ্পি মথোয়না মথবাক্লা লোনসিল্লী—অথোংপা চরণ তনিগা অকনবা থবাক্লা থেংনবদা চবণ অত্তুদ অনাব ফংলমগনি হাঈনা থনবসি খক্ষবা ঙমদে রাখন তমবোমদনা শ্রীকৃষ্ণগী মুংঙাহনবগী রাখন্দা থবাক্লা চরণ অত্থু য়াম্মা হাপচনীংনা, রাখন অমদনা চরণ অত্থু নাখিগনি হাঈনা শম্মবদা হাপনীংদবা ; হাপনীংবগী রাখন চসিনা কনখিত্থুনা চরণ অত্তুবু চিংশিল্লা, অত্থুগা হীপনীংদবনা হাপ্পা থ স পার্শ্বী - হাপ্পী বগা হাপ্পাংদবগা মেংনবদা চব। থত মথোঈনা পপ্পা-তপ্পা থাঙ্গথল।

অত্থুম ওইবা থোংগল চরণ অত্তন শ্রীকৃষ্ণনা বন্দা কোঈচং-চংলি—লোন অত্থুদি মকম খুদিংদা তিংশ না থক্কা নৌ অমস্তুং তিংথ গা ল মনা থৌরবা মুংজেনা। শিন্‌-থুনা i, মাত্থুনা বন্দা বাঈগনবাশিংগী মখাঙদা য়ত্থুনা য়াম্মা অরাবা ফংহ। মুপীমচশিনী থবাক্তি কল্পবস্ত নাম্নী, মাত্থুদা শিংখংগুম্মা মবা যাবা মচিনতুম্মা পোং লৈতে, অদম ওইনচক ব্রজসুন্দরীশি না চরণ থম্মদা অবিনা পোনং—অকনবা পোংক্বা থেংনবদা নাখিনা য়াই হাঈন থম্মবদা অমু. লৈ ব্রজসুন্দরী শি তসিনা থম্মী—শিখ ১ম ওংচে পা থম্মবা বন্দা, পাংথ্রবা চরণ অসিনা অহিংগী মতংদা কাঈচ ংপদা, শ্রীকৃষ্ণনা য়াংগ পরাবা ফংলগনি চাংনা থম্ম্রহ, গ পীশি গা মপুনি দ নয়ামং য়াংগ ব বংপদগো হাঈনত্থু মলোইতনা নাঙবা, মত. অত্থুদ মথোঈনী বীনমতি—হমাং পত্থু শফম খতুদ, রাশিনবা। হানীম চহ নাঙদে, শ্রীকৃষ্ণ চরণ মু ভুংনা শিনবা। মাপা বন পপ মথোঈগী বলাইদা ফাওনা, ওত্তু. পইবা অনাব মত্থুনা মপাঙ্গিনা পবক অত্থু পুন চপন পনদি শ্রীবৃন্দনা মাথ ঈনী পুক্তিনি ববাইহী। (শ্রীস ভবনা যাপঃ বা তপ বা-পচলি)।

এথন লোক্তি ফফংদাকখনে, শ্রীকৃষ্ণ য়াম থোংল চবণ ওহ শফি দি চাঈবগা সংনবনা ব্রজসুন্দরীশি না মাখা পপ পনব থব ন পথ য মুনো মাগী চরণ নগা অহ ফাওদা অকিন পোকুই, পসনা মথোঈ। শ্রীরূপ পেপ তৌবদা ব মসঙ্ক (শ্রীশ্রী মুংঙাইবথা) লৈতে হাঈবা নাকপনি। বচম ফত য শি দি গুপীমচাগী কিবনদা লকিবনি, চহি ১৬ শুদ্রিগনি। ব্রজবাসাশিংগা চহি পনি হেনগবপা যামখলবপা লৈ পপা চপ লেপ্পা লৈরবা চহিনি হাযনা শাস্ত্রদা ইতি। চহি মিশ পানগনি, হৌখ্রবনু গোপী অন ং শ্রীকৃষ্ণগী চহিদি হেনগংলবপা লৈনে, হাঈবদি চহি কোটি অমা পুন্সিবাস হবচ, পত্থু হম্মবা ওইদে। ইনৌ-নৌত্থুনা পা।

আত্ম-সুখ-দুঃখ গোপীর নাহিক বিচার ।
কৃষ্ণ সুখহেতু চেষ্টা মনোব্যবহার ॥১৪৮
কৃষ্ণ লাগি আর সব করি পরিত্যাগ ।
কৃষ্ণসুখহেতু করে শুদ্ধ অনুরাগ ॥১৪৯

অর্থ

গোপীশিংনা মশাগী নুংঙাইবা-ৱাবা য়েংদে ।
কৃষ্ণ নুংঙাইনবা মরম থনবদা পোংথাদে ॥১৪৮
অতৈ পুম্নমক কৃষ্ণগীদমক থাদোকখ্রে ।
কৃষ্ণ নুংঙাইনবগীদমক শেংনা নীংখ্রে ।১৪৯

গৌর-কৃপা টীকা

মতৌ অসুম্না শুপকনা থলবা ঙাম্না অসি, মী খুদিংমক্তা খঙবা ঙম্বা শক্তি বিধাতানা পীবিবমদরে ; মাতেন্দা চংজবব। মী অদুতনা খঙবা ঙম্মী। ব্রজগী ফজবীশিং অসিনা মশাগী নুংঙাইবাপাম্বা (থিবা) মী ওইবম্রবদি শ্রীকৃষ্ণগী অথোংপা চৎপ অদু মখোঙ্গী থবাক্তা থম্বদা কৈদৌঙৈদসু কিরোইদোবনি অমসুং নাখিগনি হাঙ্গীন্দ্রু খল্লোইদোবনি, মশাগী নুংঙাইবা থিবা কাংবদি মখাঙ্গগ চান্নবা নুংশিবা মীনা অগাবা তাবা উবগা লেকম খঙদনা ৱাবা তৌদে, ফোংদোকে । ব্রজগী গুপীচাশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী অথোংপা চৎপ অদু থবাক্তা থম্বদা নাখিগত্রা হাঙ্গীনা চিংনরবসু (কিরবসু) ইবুংঙো মহাক্কী পামজবনিনা, মহাক্কী নুংঙাইনবগীদমক ওকনবা থবাক হৌদুনা তপ্রি ৎশিল্লি কোনজবে । মরম অদুনা হাঙ্গীবিবনি
"কৃষ্ণ পেন্নরগী মবী থম্বনি কৃষ্ণদা।"

১৪৮। মী অমাম্বনা করিগুম্বা থবক অমা তৌবমদা ইদা মশাগী নুংঙাইগদ্রা নত্রগা অৱাবা তাগদ্রা হাঙ্গীনা বিচার তৌরগা থবক অদু পাঙ্গথংনৈ নত্রগা পাঙ্গথংনদে, গোপী-শিংগীদি মতৌ অদুদা তৌদে, মশাগী অৱাবা নুংঙাইবগী মবমদা শুকযেং-যেংদে, মখোঙ্গীনা করিগুম্বা অমা থনবা অমদি তৌবা থবক পুম্নমক অদু, শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইনবগীদমক্তি, মরম অদুনা মখোঙ্গীনা ইলাই-লাঙ্গীনা বেদ-ধর্ম্ম-মীগী ধর্ম্ম থাদোকপা ঙম্বনি ।

১৪৯। অতৈ পুম্নমক কৃষ্ণগী নুংঙাইনবা নত্তবা পুম্নমক ; বেদধর্ম্ম—মীগী ধর্ম্ম লাই-গুরুগী লম্বী । কৃষ্ণগীদমক—সেবা তৌদুনা কৃষ্ণবু নুংঙাইহন্নবগীদমক । শেংনা নীংখ্রে ঐগী নুংঙাইবা থিদনা নীংখ্রে ।

তথাহি (ভা, ১০ ২২।২১)

এবং মদর্থোজ্ঝিত লোকবেদস্বানাং হি বো মষ্যনুবৃত্তয়েহবলাঃ
ময়া পরোক্ষং ভজতা তিরোহিতং মাসূয়িতুং মার্হথ তং প্রিয়ং প্রিয়াঃ ॥২৭

গৌর-কৃপা টীকা

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্তবৃন্দ ॥ ১
শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী গুণ শ্লোক তরুকথক হইবে।
শ্রীনিত্যানন্দগী তত্ত্ব শ্লোক মঙাথক হইবে ॥ ২

গৌর-কৃপা টীকা

শ্লো। ১। অন্বয়। অনন্তাদ্ভুতৈশ্বর্য্যং (ঙাংথৈ লৈতবা অঙকপা ঐশ্বর্য্যনা তিন্নবা) ঈশ্বরং (ঈশ্বর) নিত্যানন্দং (শ্রীনিত্যানন্দবু) বন্দে (ঐনা খুরুমজরি)। যস্য (শ্রীনিত্যানন্দগী) ইচ্ছয়া (কৃপানা) অজ্ঞেন (অপঙবা মী—শাস্ত্রজ্ঞান য়াওদবা ঐনা) অপি (সু) তৎস্বরূপং (মহাক্কা—শ্রীনিত্যানন্দগী তত্ত্ব) নিরূপ্যতে (লেঙ্গা ঙমী)।

অনুবাদ। ইবুংঙো মহাক্কী কৃপা লৈরবদি অপঙবা মী ওইরবসু (লাইরিক হৈদ্রবসু)। মহাক্কী (শ্রীনিত্যানন্দগী) তত্ত্ব অচুম্বা অরেপ্পা হায়িনা ঙম্মী, অদুম ওইবা মপান-নাইদবা য়াম্না অঙকপগী মশক ওইবা ঐশ্বর্য্যনা তিল্লবা ঈশ্বর শ্রীনিত্যানন্দবু ঐনা খুরুমজরি। ১

শ্রীনিত্যানন্দগী ঐশ্বর্য্যদি মপান-নাইদে অঙকপনি, অঙকপা ওইবা অদুনা কনাগুম্বা অমত্তনা ইলাঙ্গী-লাইনা মহাক্কী তত্ত্ব লেপ্পা ঙম্বা নত্তে, মী অদুগী মফমদা শ্রীনিত্যানন্দগী কৃপা লৈরগনা, লাইরিক-লাইশু শাস্ত্রনচিংবা খঙদ্রবসু ঈলাঙ্গী-লাঙ্গীনা খঙবা ঙম্মী। মতাং অসিদা লাইরিক লেংলিবনা শ্রীনিত্যানন্দগী তত্ত্ব লেপ্পকদৌরি, মবম অদুনা শ্রীনিত্যানন্দগী কৃপা ফংজনীংবগী য়াথন্দা মহাক্কা অহানবদা ইবুংঙো মাবু খুরুমজবিবনি।

২। শ্লোক তরুকথক—অহানবা মতাংগী "বন্দে গুরূন-নচিংবা শ্লোক্কী হৌদুনা মথং তরুকথুবা শ্লোক ফাওবদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী তত্ত্ব (নন্দগী মচা ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণনা

সর্ব্ব-অবতারী কৃষ্ণ—স্বয়ং ভগবান।
তাঁহার দ্বিতীয় দেহ—শ্রীবলরাম ॥৩
একই স্বরূপ—দুই ভিন্নমাত্র কায়।
আদ্য কায় ব্যূহ—কৃষ্ণলীলার সহায় ।৪
সেই কৃষ্ণ—নবদ্বীপে শ্রীচৈতন্যচন্দ্র।
সেই বলরাম সঙ্গে—শ্রীনিত্যানন্দ ॥ ৫

অর্থ :—

অবতারীদি কৃষ্ণনি—স্বয়ং ভগবান্নি।
মাগী অনিশুব হকচাং—শ্রীবলরামনি ॥ ৩
হবচাং অাং থে ক্রবস্থ—শকফম অমতন।
হবচাং কুয়োম ওহানবনি—লীলাগী উপাযনি ॥ ৪
কৃষ্ণ অদু নবদ্বীপ্তা শ্রীচৈতন্য ওইবে।
বলবামনা নিত্যানন্দ ওইদুনা লোইনবে ॥ ৫

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্রীবাধাগী পুকচেনগা কুচুগা ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইহন্না সাইওনবগী তত্ত্ব) লেপল্লে। শ্লোক মঙাথক—ওহানবা মতাংগী শ্লোক তরেংশুবদগী হৌদুনা মথং শ্লোক মঙাফাওবদা (শ্রীনিত্যানন্দগী তত্ত্ব লেপখবে)।

৩—৫। চাওবাক্লা করিংগুম্বা তত্ত্ব অমা খঙলবদি; মাদুগা মবী নৈনবা রারী মথে নৈনবদা লাইনা থোকই; মবম অদুনা নৈনদ্রিঙৈগী মমাংদা লাইবিক লেংলিবনা পয়ার অহমদা শম্নপ্না শ্রীনিত্যানন্দ-তত্ত্ব হাঙ্গদুনা থম্লে। মাদুদি অসিনি—স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী অনিশুবা হকচাংদি শ্রীবলবামনি, তত্ত্বদি মথোয় অনি অমতনি, লীলাগী পাঙ্গে ওইননবগীদমক শক অনি থোক্লা পুথোকপনি। অদুম ওইবা বলরাম অদুনা নবদ্বীপ্তা শ্রীনিত্যানন্দ ওইরগে।

অবতারীদি—অবতার পুম্নমকী মপুদি, মকোক্তি। অনিশুবা হকচাং—শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীবলরাম ওইদুনা অতোপ্পা হকচাং অমা ওইদুনা সাইওন্নী, শ্রীকৃষ্ণগা শ্রীবলরামগা মত্তদদি অমতনি, হকচাংতা থেন্নবদনি। শকফম অমতনি—শ্রীকৃষ্ণ অমসুং বলরাম মত্তদা শকফম অমতনি; থেন্নদে। মত্তগী শকফমদা থেন্নবস্থ করিগুম্বা লীলা অমা শান্ননাংদুনা অতোপ্পা

তথাহি শ্রীস্বরূপগোস্বামি কড়চায়াম

সঙ্কর্ষণঃ কারণতোয়শায়ী গর্ভোদশায়ী চ পয়োঽব্ধিশায়ী।
শেষশ্চ যস্যাংশকলাঃ স নিত্যানন্দাখ্যরামঃ শরণং মমাস্তু॥২

শ্রীবলরাম গোসাঞি মূল সঙ্কর্ষণ।
পঞ্চ রূপ ধরি করেন কৃষ্ণের সেবন।৬

অর্থ

সঙ্কর্ষণ মরুনি ইবুংঙো শ্রীবলরামনা।
কৃষ্ণ সেবা তৌই শরোন মঙা পুথোকনা॥৬

গৌর-কৃপা টীকা

মওং অমা ওইনা, কুচু খেন্নবা ফোংদোকপা-পুথোকপা মশক অতুবু বিলাস কৌই। শ্রীকৃষ্ণগী কুচুদি শ্যামবর্ণনি (শংবান্নবা-মচুনি), শ্রীবলরামগী কুচুনা অঙৌবা কুচুনি শ্রীকৃষ্ণনা সনা-ফিগে থোনবনি, শ্রীবলরামগী ফিজেৎনা সোবারেন মচুনি (নীলবসন), কুচুদা অমসুং ফিজেৎতা খেন্নবা মরম্না শ্রীবলরাম অসি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস মূর্ত্তিনি। হকচাংকুয়োম—করিগুম্বা থোকবা অমগীদমক হকচাং তমদগী অমা নত্রগা তামদগী হেনবা কয়ামুক পুথোক্লবদি পুথোক্লিবা হকচাং ময়াম অদু অহানবা হকচাং অদুগী হকচাং কুয়োম {(অংশ), (কায়ব্যূহ)} কৌই। ১। ১। ৪২ শৈবেংগী টীকাদা শন্দোক্লা য়াওবিবা অদুদা য়েংবিয়ু।" হকচাং কুয়োম অহানবনি—লীলা শান্নগে হায়বগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা শকলোন কয়ামুক পুথোকই; ময়াম অদুগী মনুংদা শ্রীবলদেবনা খুইদগী অহানবা ওহানবনি। লীলাগী উপায়নি—শ্রীবলদেবনা (শ্রীবলরামনা) শ্রীকৃষ্ণ-লীলগী বরি উপায় তৌবগে হায়বা অদু পয়ার ৬-দা হায়রবি। বরি যুগতা শীকৃষ্ণ, নিনিত্যানন্দ ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী অনিগুবা হকচাং, ওইরগে অমসুং হকচাং কুয়ান অহানবা ওইদুনা লীলাগী তেবাংবা ওইবগে।

শ্লো।২।অন্বয়নচিংবা অহানবা মতাংগী তবেংগুবা শ্লোকদা য়েংবিয়ু।

৬। হৌজিক শ্রীনিত্যানন্দ তত্ত্বগী মবমদা শন্দোক্লা শীংথাজবা হৌজবক্লি, অহানবদা "সঙ্কর্ষণঃ কারণতোয়শায়ী" অসিনচিংবা তবেংগুবা শ্লোকী ব্যাখ্যা তৌজরে। শোক অসিদা হায়রিবদি—১। সঙ্কর্ষণ, ২। কারনাব্ধিশায়ী, ৩। গর্ভোদশায়ী (গুকশিদব) ৪। ক্ষীরাব্ধিশায়ী (সনামহি) অমসুং শেষ অনন্ত (পাখংবা) নীপা মঙা অসিগী মনুংদা সঙ্কর্ষণনা শ্রীবলরামগী অংশনি অমসুং কারণাব্ধিশায়ী-নাচংবনা মহাকী কলানি (অংশগী অংশ, মচাগী

গৌর-কৃপা টীকা

মচা হাঙ্গবদি মশুগুম্বনি)। শ্রীকৃষ্ণ-সেবাগী মরমদা শ্রীবলদেবনা মশক মশা থোক্লা পুথোক্তুনা সাইওল্লী। মতুংগী পয়ার ১২১ গী টীকাদা য়েংবিয়ু। সঙ্কর্ষণনচিংবা অসি অত্তুম ওইবা শ্রীবলরামগী অংশ-কলানি, মহাক্না স্বয়ং নিত্যানন্দ ওইনা সাইওন্দুনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগা লোঙ্গননা লীলা শান্নবে।

সঙ্কর্ষণ মরুনি—সঙ্কর্ষণ অসি মহাক্কী অংশনি, মবম অত্তুনা মহাক সঙ্কর্ষণগী অশী ওই হাঙ্গবদি মরুনি হাঙ্গদুনা শ্রীবলরামবু সঙ্কর্ষণ মরুনি হাঙ্গ রবানি। কোংদোক্লা শান্নবা লীলাদা (প্রকট লীলাদা) গর্ভ অমদগী অতোপ্পা গর্ভ গমদা চংথি হাঙ্গদুনা বলদেবগী মমিং অমদি সঙ্কর্ষণ কৌই (সম কৃষ+অচ—সংকর্ষণাত গর্ভাৎ গর্ভান্তরং নীযতে অসৌ ইতি সঙ্কর্ষণ (বাচস্পতি)। অহানবদা কংস নিংথৌনা দৈবকীম শংদা শ্রীদেবকী দেবীগী গর্ভদা শ্রীবলরাম পোকদবগী মতৌ মাল্লমই, অদুবু কংসগী মবমদা থল্লবদা চিংনদুনা যোগমায়ানা মহাকপু দেবকীগী গর্ভদগী চিথোক্তুনা দেবকীগী লোম্লগী মচে শ্রীরোহিণী দেবীগী গর্ভদা থমখী (শ্রীরোহিণী দেবীদি মতম অদুদা গোকুলদা নন্দ মহারাজগী শঙ্গাইদা লৈরম্মী); মবম অদুনা শ্রীবলদেবগী মমিং অমা সঙ্কর্ষণ কৌই। "গর্ভসঙ্কর্ষণাৎ তং বৈ প্রাহুঃ সঙ্কর্ষণং ভুবি। শ্রীভা, ১০।২।১৩॥" পাঙ্গল যাম্না লনবা মবন্না মহাকপু বলভদ্র কৌই অমসুং মী পুম্নমক্কা পুক্নিং নুংঙাইহনবী হাঙ্গদুনা মহাকপু রাম হাঙ্গনসু কৌই। "রামেতি লোক—রমণাদ বলভদ্রং বলোচ্ছুয়াৎ। শ্রীভা, ১০।২।১৩॥" থাক্লেংবদি "বলভদ্রগী" "বল" অমসুং "রাম" বাহে অনি তিন্নবগা বলরাম হাঙ্গবা খোঙ্থোক মিং অসি লাকপনি—মপাঙ্গল য়াম্না কল্লবা অমসুং মী পুম্নমক্কী পুক্নিং পেম্নবা তৌবা ঙম্নবা মহাক অদু বলরাম কৌই। শ্রীবলদেবনা যণ-শেনবা ঙম্নকপগী চহি মতাংদা (হাঙ্গবদি পৌগণ্ডদা—চহি ১০গী মনুংদা) কোনা পাম্বিনা নম্না হৌবা বন্দা (বোন্দা) (তালবন্দা) চংগ্রগা কোনা পাম্বি কয়ামুক মখুৎ অনিনা নোম্লগ। যুক্তোকপা ঙমখি (শ্রীভাঃ ১০।১৫।২৮), অচৌবা "গাধা" কৌবা শা অমগী মূর্ত্তি লৌদুনা হিংচাবা অমা চংলক্লম্মী, মাদুবুসু বলরামগী মখুৎ নাম্মনা মখোং অনি পাঙ্গসিন্দুনা কোক্কোন্দা হাঙ্গপংতুনা হুরু-হুরু লৈদুনা লাপ্পা লংথোকখি (শ্রীভা, ১০।১৫।৩২)। তৌইগুম্বসুং চহি মতাং অদুদদি "বলভদ্র"গী হক্কচাংগী পাঙ্গল অদুনা কোনা পাম্বি ফুক্তোকপা ঙম্বা অমসুং হিংচাবনা ওনবা গাধা হাৎপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈগনি নীংদে—শ্রীকৃষ্ণদা প্রেম লৈবদি থাইদগী হেক্তিন্না লৈরে হাঙ্গবা উবা ফংঙী। "বলোচ্ছ্রায়াৎ" রাহৈগী টীকাদা ইরি "তদীয় পরম-প্রেমোর্জ্জিতমনস্ত্বয়েতি ভাবঃ। বৈষ্ণবতোষণী॥"

আপনে করেন কৃষ্ণলীলার সহায়।
সৃষ্টিলীলা কার্য্য করে ধরি চারিকায়॥ ৭

অর্থ :—

কৃষ্ণ লীলাগী তেংবাংবা ওই মশামক্না।
সৃষ্টি—লীলা তৌই হকচাং মরি পুথোক্লুনা॥ ৭

গৌর-কৃপা-টীকা

শক্লোন্ মঙা—সঙ্কর্ষণ, কারণাব্ধি শায়ী (অপোকপা), গর্ভোদশায়ী (গুরুসিদবা), ক্ষীরাব্ধিশায়ী, (সনামহি) অমসুং শেষ (হাঙ্গবদি অনন্ত পাখংবা) শক্লোন মঙা। শ্রীবলরাম মশামক্না (সঙ্কর্ষণ মক্ন ওইনা) অমসুং সঙ্কর্ষণ-নচিংবা শক্লোন মঙানা শ্রীকৃষ্ণগী সেৱা তৌই। উমমক্না—মশক তরুক মক্না সেবা তৌই।

৭। শ্রীবলদেবনা অতোপ্পা শক্লোন পুথোক্লগা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা করি করি তৌবগে হাঙ্গবা অদু শীংথাজরি। মশামক্না নচিংবা—শ্রীবলদেবনা মশামক্না (অমদি সঙ্কর্ষণ মক্ন ওইদুনা) ব্রজদা অমসুং দ্বারকাদা শ্রীকৃষ্ণগা লোঈন-লোঈননা সাক্ষাৎ ওইনা থাঙ্গশেংনা শ্রীকৃষ্ণ-লীলাগী তেংবাংঙী। সাক্ষাৎ ওইনা তেংবাংবা অসিনা মশামক্কী থবক্কি, সাক্ষাৎ সেবানা মহাক্কী মশামক্না তৌবা সেবানি। সৃষ্টি-লীলা তৌই—অচম্বা-চমদবা (প্রাকৃতাপ্রাকৃত সৃষ্টিরূপ) শেম্বা-লীলাগী থবক: অপ্রাকৃত (অরাবা চঙদ্রবা-চমদ্রবা) ভগবদ্ধামমচিংবা ফোংদোকপা অমসুং অচম্বা পৃথিবী-ব্রহ্মাণ্ডনচিংবগী শেম্বা (সৃষ্টি)। হকচাং—মূর্ত্তি অমদি বিগ্রহ। হকচাংমরি—সঙ্কর্ষণ, কারণার্ণবশায়ী পুরুষ, গর্ভোদশায়ী পুরুষ অমসুং ক্ষীরোদশায়ী পুরুষ, শক্লোন মরি অসি শ্রীবলদেবনা ওইদুনা সৃষ্টিলীলাগী থবক তৌই। শ্রীকৃষ্ণগী লীলা মপুংফানা পাংথোক্লবগীদমক ইবুংঙো মহাক্কী ইচ্ছানা (রাখল্লা) শ্রীবলদেবনা সঙ্কর্ষণ ওইদুনা গোলোক—বৈকুণ্ঠনচিংবা চমদ্রবা লাইরৈবাক ভগবদ্ধাম-পুম্নমক ফোংদোকই (শেম্বদি নত্তে ভগবদ্ধাম পুম্নমক্তি অমেপ্পা রাখনগী পোংনি—নিত্য চিন্ময় বস্তুনি, মখোয়গী অমুক অশেম্বা হাঙ্গবা অমা লৈতে; শ্রীকৃষ্ণগী ইচ্ছাতনা রাখস্তনা সঙ্কর্ষণনা ধাম (মফম) পুম্নমক অসি ফোংদোক্লুনা সেবা তৌই। "ক্রিয়াশক্তি-প্রধান সঙ্কর্ষণ-বলরাম। প্রাকৃতাপ্রাকৃত সৃষ্টি করেন নির্ম্মাণ॥ অহঙ্কারের অধিষ্ঠাতা কৃষ্ণের ইচ্ছায়। গোলোক-বৈকুণ্ঠ সৃজে চিচ্ছক্তি-দ্বারায়। যদ্যপি অসৃজ্য নিত্য চিচ্ছক্তিবিলাস। তথাপি সঙ্কর্ষণ-ইচ্ছায় তাহার প্রকাশ॥ ২।২০।২১১—২৩॥" অদুগা, কারণার্ণবশায়ী—নচিংবা শক্লোন অহুম্না অচম্বা মায়াগী

সৃষ্ট্যাদিক সেবা তাঁর আজ্ঞার পালন।
শেষ-রূপে করে কৃষ্ণের বিবিধ সেবন॥ ৮

অর্থ :—

মাগী য়াথং ভাকুনা সৃষ্টিগী সেবা তৌই।
শেষ ওইনা কৃষ্ণগী সেবা অয়াম্বা তৌই॥ ৮

গৌর-কৃপা-টীকা

ব্রহ্মাণ্ড (প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ড) শেম্মী (শ্রীবলদেবনা)। প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ডনচিংবা শেম্বগী মওংদি মতুংগী শ্লোকশিংগী ব্যাখ্যাদা ইজরকনি। 'সৃষ্টি লীলা' হায়রে অসিদা সৃষ্টিবু লীলানি হাঙ্গিরে। মথক্কা হাঙ্গখরে, শ্রীকৃষ্ণগী লীলা-পাংথোকে হাঙ্গবগীদমক চমদবা মায়াচংদবা (অপ্রাকৃত) ভগবদ্ধাম পুম্নমক ফোংদোকই। অদুগা অচম্বা (প্রাকৃত)—ব্রহ্মাণ্ডনচিংবগী সৃষ্টিসু মুংঙাইবা হেনগৎনবগী লীলানি; "লোকবত্তু লীলাকৈবল্যম" (বেদান্ত ২।১।৩৩) বেদান্ত-সূত্র অসিনা প্রমাণনি। মুংঙাইবদা ময়াই কায়বা মীশিংনা মুংঙাইবা হেনগৎলকপদগী জগোই —ইশৈ—শান্নবনচিংবা তৌরকই, কম্নিগুম্বা কাম্নগদবা অমগীদমক মথোঙ্গনা ইশৈনচিংবা শকপা নত্তে, অদুগুমদুনা শ্রীভগবানসু মুংঙাইনবগীদমক প্রাকৃত—ব্রহ্মাণ্ড শেম্মী, করিগুম্বা কাম্নগদবা অমা সিদ্ধি ওইনবগীদমক য়াশক্কনা শেম্বা নত্তে। ইবুংঙো মহাক্কি মপুংফাবা মশক্তি, মহাক্কী কম্নিগুম্বা অয়াংপা পোং অমতা লৈতে। মহাক্কি মুংঙাইবগী মশক্তি, মহাক্কী মশানা মহাকপু মুংঙাইনা হেনগৎলী। মুংঙাইবদা ময়াইকায়বা মীশিংনা জগোই শারকপা, ইশৈ শক্লকপা মতমদা, মখোযগী পুক্নিং হকচাং অদু মুংঙাইরে হাঙ্গবা থঙনৈ (ফোংদোকই) মতৌ অদুগুমদুনা ব্রহ্মাণ্ড শেম্বসু (সৃষ্টিসু) শ্রীভগবানগী পুক্নিং হকচাং মুংঙাইরে হাঙ্গবা ফোংদোকই; ইবুংঙো মহাক্কা করিগুম্বা অমা কান্নবাংদুনা ভৌদবা য়াদে হাঙ্গদুনা লৈশেম্বগী থবক ভৌকবা নত্তে; মাসি মহাক্কী লীলা অমনি। মথক্কা হাঙ্গিরিবা বেদান্ত—সূত্রগী শ্রীগোবিন্দ ভাষ্যদসু অসুম্না ইরি ... ... "পরিপূর্ণস্যাপি বিচিত্রসৃষ্টৌ প্রবৃত্তির্লীলৈবা কেবলা, ন তু শা ফলাভিসন্ধি—পূর্ব্বিকা। অত্র দৃষ্টান্তো লোকেতি 'যথ্যান্তাদ্ভিঃ'। লোকস্য সুখোন্মত্তস্য যথা সুখোদ্রেকাৎ ফলনিরপেক্ষা নৃত্যাদি-লীলা দৃশ্যতে তথেশ্বরস্য; তস্মাৎ স্বরূপানন্দ স্বাভাবিক্যেব লীলা; দেবস্যৈব স্বভাবোহয় মাপ্তকামস্য কা স্পৃহেতি মণ্ডুকশ্রুতেঃ। সৃষ্ট্যাদিকং হরিনৈব পয়োজনমপেক্ষ্য তু কুরুতে, কেবলানন্দাদ যথা মত্তস্য নর্ত্তনম।" মরম অসিনা সৃষ্টিকার্য্যবু (লৈশেম্বগী থবকপু) লীলানি হাঙ্গিরি।

৮। সৃষ্টিনচিংবা (লৈশেম্বনচিংবা) থবক তৌবনা করম তৌনা ভগবৎ-সেবা ওইবা য়াবগে, মাদুগী মরম হাঙ্গজরি। শ্রীভগবান্না মথুৎমক্কা লৈশেম্বনচিংবা থবক তৌদে;

সর্ব্ব রূপে আস্বাদয়ে কৃষ্ণ সেবানন্দ।
সেই রাম শ্রীচৈতন্য-সঙ্গে নিত্যানন্দ॥ ৯

অর্থ :—

সেবাগী নুংঙাইবা ফংই, পূম্নমক ওইদুনা।
রাম'দুনা চৈতন্যগা লোঈনৈ নিত্যাই ওইদুনা॥ ৯

গৌর-কৃপা টীকা

লীলা শান্নরীংদুনা লৈশেম্নবগীদমক রাথন তৌবকপা মতমদা, মহাক্না যাথং পীথোকই, মাদুদা সঙ্কর্ষণচিংবনা মহাক্কী যাথংগী মতুংইন্না সৃষ্টিনচিংবা থবক পাংথোকই; যাথং ভাকপা অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী-লীলাগী তেংবাংবা ওইদুনা মহাক্কী নুংঙাইনবা মনিংথুনবা থৌরম পাংথোকই, মবম অসিনা লৈশেম্বনচিংবা থবক তৌবা অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীভগবানগী যাথং ভাকপা ওইনা সেবা তৌই। মাগী যাথং—স্বয়ং ভগবান শীকৃষ্ণগী যাথ।

সঙ্কর্ষণচিংবা শক্লোন মবিনা সেবা তৌবগী রা হাঈখ্রবনিনা হৌজিক শক্লোন মওঙ্গুন শ্রীশেষনা (পাখংবনা অনন্তনা) সেবা তৌবগী বা হাঈজবি। শেষ ওইনা—অনন্ত ওইনা, পাখংবা ওইনা। সঙ্কর্ষণগী অবতাব কাবনার্ণবশায়ী নি (অপোকপনি), কাবনার্ণবশায়ীগী অবতাব গর্ভোদশায়ীনি গুরুশিদবা, গর্ভোদশায়ীগী অবতাব ক্ষীবোদশায়ীনি (মণিপুবদা সনাহৌনি) অমসুং ক্ষীবোদশায়ীগী-অবতাবনা শেষ হাঈবদি অনন্তনি মণিপুরদা লিনগী মওং পাখংবা হাঈরিবসিনি। মহাক্কী তত্ত্ব অমসুং থবক, মতুংগী পযাব ১০০—১০৭দা শীংথাজবি। সেবা অযাম্বা—মখল-মখা অয়াম্বা সেবা। কোক্তা পৃথিবী পুবা, শ্রীকৃষ্ণগী গুণ শকশোনবা অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী ছত্র, খুরুম, ফমুং, কোক্না খাঙনবা মোন, ফি, পোংথাকম, যুম, নগুল, সিংহাসন (ফিদা) অসিনচিংবা ওইদুনা সেবা তৌই—পূম্নমক অসি শ্রীবলদেবনা সেবা পাখংবা ওইরগা মখল-মখা অয়াম্বা সেবা তৌই। মতুংগী পয়ার ১০০—১০৭ তা য়েংবিয়ু।

৯। পূম্নমক ওইদুনা—ময়াম ওইদুনা। সঙ্কর্ষণ মরুনচিংবা শক্লোন তকক ওইদুনা শ্রীবলরামনা শ্রীশ্রীকৃষ্ণসেবা তৌবগী নুংঙাইবা ফংঙী। রাম'দুনা নচিংবা—শ্রীচৈতন্যগা লোয়নদুনা লৈরিবা নিত্যানন্দ অদু, বাম অদুনা ওইবনি (বলবাম)। বলরাম অদুনা

সপ্তম শ্লোকের অর্থ করি চারি শ্লোকে।
যাতে নিত্যানন্দ-তত্ত্ব জানে সর্ব্ব লোকে ॥ ১০
প্রকৃতির পার—পরব্যোম নামে ধাম।
কৃষ্ণবিগ্রহ যৈছে—বিভুত্বাদি গুণবান ॥ ১১

অর্থ

তরেৎ শুবা শ্লোক্কী অর্থ শ্লোক মরিদা তৌরি।
মাহুদা মী পুম্নমক্না নিত্যাই তত্ত্ব উরি ॥ ১০
পরব্যোম কৌবা মফমহ—প্রকৃতিগী মাংমনি।
কৃষ্ণগী হকচাংগুম্না পুম্নমক লৈবনি ॥ ১১

তথাহি শ্রীস্বরূপ গোস্বামি-কড়চায়াম :—
মায়াতীতে ব্যাপি—বৈকুণ্ঠলোকে পূর্ণৈশ্বর্য্যে শ্রীচতুর্ব্যূহমধ্যে।
রূপং যস্যোদ্ভাতি সঙ্কর্ষণাখ্যং তংশ্রীনিত্যানন্দরামং প্রপদ্যে ॥ ৩

গৌর-কৃপা-টীকা

সঙ্কর্ষণ মরুণচিংবা শক্লোন তরুক ওইহুনা শ্রীকৃষ্ণসেবা তৌবগী মুংঙাইনা ফংই, মহাক্না নিত্যানন্দ ওইহুনা (সাইওন্দুনা) শ্রীচৈতন্যগী লোয়নবা ওইহুনা মহাক্কী লীলানচিংবগী তেংবাংবা ওইবি।

১০। তরেৎশুবা শ্লোক—অহানবা মতাংগী তরেৎশুবা শ্লোক, মথক্তা হাঙ্গৈখিবা "সঙ্কর্ষণঃ কারণতোয়শায়ী" নচিংবা শ্লোক। শ্লোক অদুদা শ্রীবলরামচন্দ্রগী অংশ কলা (মনাই-নাইথাং) ওইহুনা সঙ্কর্ষণ, কারণতোয়শায়ী গর্ভোদশায়ী অমসুং পয়োব্ধিশায়ীগী রা (ক্ষীরোদশায়ীগী রা) হাঙ্গৈখরে, মতুংগী শ্লোক মরিখক্তা মথক্তা শক্লোন মরিগী তত্ত্ব হাঙ্গৈরি, মখোয়গী তত্ত্ব হাঙ্গৈবা লোইবদা তরেৎশুবা শ্লোক্কী ব্যাখ্যা তৌবা লোইবে অমসুং শ্রীনিত্যানন্দগী তত্ত্বসু খঙবা ঙম্মগনি।

শ্লোক। ৩। অন্বয় নচিংবা অহানবা মতাংগী-নীপানশুবা শ্লোক্তা যেংবিয়ু। শ্লোক অদুদা শ্রীসঙ্কর্ষণগী তত্ত্ব শিংথাবি। মতুংগী পয়ার ১১—৪২ দা শ্লোক আসগী ব্যাখ্যা তৌরি।

১১—১২। "মায়াতীতে ব্যাপি বৈকুণ্ঠ লোকে" শরুক অসিগী ব্যাখ্যা পয়ার অনিদা তৌজরি।

সর্ব্বগ অনন্ত বিভু বৈকুণ্ঠাদি ধাম।
কৃষ্ণ কৃষ্ণ অবতারের তাহাঞি বিশ্রাম ॥ ১২

অর্থ :—

বৈকুণ্ঠনচিংবা ধামদি অনন্ত, বিভুনি।
কৃষ্ণগী অবতার মথৈ মাহুদা লৈনবা ॥ ১২

গৌর-কৃপা-টীকা

প্রকৃতিগী রাংমান মথাঙী-রাংমনি, চিন্ময়না। পরব্যোম কৌবা মফম্তু—ব্রহ্মাণ্ড পূম্মক্কী মপান্দা লাইবৈবাক অপ্রাকৃত-চিন্ময় ওইবা নাথাচংদবা ধাম (লম) অমা লৈ. মাহুগী মমিং পরব্যোম কৌই। পরব্যোমগা অতোপ্পা মমিং অমদি মহাবৈকুণ্ঠ কৌই। ধাম ভগবানগী লীলা শান্নবা মফম্মু ধাম কৌই। গুণ পূম্নমক লৈরিবনি— ইনাংবৃতা ওইবা ওম্বনি; শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংনা মূর্ত্তি নাইবা ওইববস্তু গুণ খিবিক্লা রাংতনা লৈবনিনা ওইনীংবতা ওইবা ওম্মী, মফম খুদিংদা মুংশিংকুম্না লৈবা ওম্মী, রাথল্লা লাম্বা ফ দবা থবক তৌবা ওম্মী—অহুগুমহুনা পরব্যোমস্থ গুণ খিবিক্লা লৈতেংঙী : মাযা চংদে (১।৩।২২ অমস্থং ১।৪।৫৬-৭ পয়ারগী টীকা যেংবিয়ু); লাইগী শান্নফমদি লাইগুম্মী মফম খুদিংদা চপমান্ননা লৈবা ওম্মী। "নানাকল্পলতাকীর্ণং বৈকুণ্ঠং ব্যাপকং স্মরেৎ ॥ শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভধৃত স্বায়ম্ভুবাগম বচন। ১০৬ ॥"

গুণ পন্নমক অহু করিকনি গুণ ওইবগে মাগহ ওজনি—মফম পূদিনা চংপা ওম্না, মফম পূম্নক্কা শিন্নবংনা লৈনা ওম্না। অনন্ত—রোইবা লৈত , মপাল নাইদনা। বিভু—ব্রহ্ম. নাই. অচৌব। করি করিগুম্ব নাইরিও। "বিভু মমমদা "ব্রহ্ম" হৈবস্থ উব ফংই। বৈকুণ্ঠ—কুণ্ঠা-রাহৈগী অর্থদি মায়া হইবান; মায়া (কুণ্ঠা) লৈতবা মফম অদু বৈকুণ্ঠ কৌই, ভগবদ্ধামদা মায়াগী থৌরম মংং লৈতে হায়রিহুনা বৈকুণ্ঠ কৌই। "প্রবর্ত্ততে যত্র রজস্তমস্তয়োঃ সত্ত্বঞ্চ মিশ্রং ন চ কালবিক্রমঃ। ন যত্র মায়া কিমুতাপরে ॥ শ্রীভা, ২।৯।১০॥" পরব্যোম। মপু শ্রীনারায়ণ মশাগী লৈফমগী মমিং মহা-বৈকুণ্ঠ কৌই। পরব্যোমদা ভগবংক মশা পূম্নক্কী তে ঙাক্না লৈবা লৈফম লৈ; ভগবংকী মশক খুদিংমক্কী লৈফম ধাম অহু মায়া চংদে . . . . . মায়া বৈকুণ্ঠনি। পয়ার অসিদা বৈকুণ্ঠনাচ বা রাহৈ শিজিন্নবা অসিনা খণ্ডন ববদ বৈকুণ্ঠনা শ্রীনারায়ণগী

গৌর-কৃপা টীকা

ধামবু খঙনা অজগা চিংবা রাষ্ট্র শিজিন্নবনা অসিন পঙনবিবন। ভগবংকী মশকী মফম (ধাম) অম্নমনপু খঙনে বৈকুণ্ঠনচিবদা। অচম্বা মায, মাযাগী মওং লৈতা, অতুনা ধাম পুংমব সচ্চিদানন্দগী মশক্তি। ভাবংসন্দর্ভগী প্রকরণ ৭১—৭৭ বৈকুণ্ঠ-ধাম অসি সচ্চিদানন্দগী শক্তি হায়িন। প্রমাণ চৌবি। ভগবংগী-নংক খুদিমর। লেংবা মফম পুম্নমক মতু লাইদি ভুমি অনম্বং মথন খুদিংদা লব ভঙনি। মাঙ অসিদা রাইহ, ম হংনাই লেবে ভগবংকী মশক্তি অনন্তনি (মশিং নীবা ওম্বা নত্র), মাংবা বামনা নন্তনি মফম খুদিংদ। লেব ওম্বা সর্ব্ব) অনন্ত পঙ্গু পাই পা মনাম অসি অমতা চৈতাদনন মনাম পরমথো ও হাই নাইহ মশংন দবা লাই, মশিংগী হদা সর্ব্বগ-ধামবু মাং কায়া নবব্যান লেন থগনগ প উধুম—মথক্ত। হ ঈজথবে, শ্রীকৃষ্ণগা স্বচাগী নাতীগুম্না ভগবনা চিনম্মু পাইং থা লৈ, মফম অদিদা যাংবিব 'চিংবা' বাটৈ অসিন হাঈযম খঙদবা অ কপ শক্তিমুন খঙনহল্লী, শ্রীকৃষ্ণগী হৎচাং। তৌ য় নগ দ্বম পুম্নমকম্নু থান ওমদবা শক্তিনা মিন্দুনা প। শীংথাবা ওমদবা শদি লেবা অসিং। পববো অংতদ মি নাব ওমদন। দং নাম (মফং) না। নাবর্নি থাঈন দি মব নন কৃষ্ণসম্ন হবও ম তা ভুবনস্মু লীলা ম, তন্না ভগাবনী মশা। সাইংবং মথনই (বৈকুণ্ঠন সণ সো বত্তবা শভাতি শং) এম মান মতন ভগবৎ মন সনন অত্ তন্ত্ৰা মহাকী শন হাই। সতমতুন মব ভবান নন (লবম) বৃন্দাবন অংতা ভুবনস্মু অংতাপ আংশা। ভগবংবা শক্ত লেপং। বাম) ওইনা যোদানুই অমস্মু ওতুম ওইবা বৈকুণ্ঠনচিংবা ধাম পুম্নমক তুম্মু বৃন্দাবনগী অশ্নন। "বৈকুণ্ঠাদি তদংশাংশং স্বয়ং বৃন্দাবনং ভুবি। প, পু প উ। ৮।। বম অংন ভা।.। কবিগুণা মকমগী মপুংফানা অমস্তু, কবিগুম্বা মফমদ অংশ। (পূংফাদব) ওইনা লৌ, ৎতৌ অতুগুমতুনা ইবাংবৌ মহাকী বামস্মু কবিগুণা মফমদা মপুংফাবা ওইন। অমস্মুং কবিগুম্বা মকমদনা মপুংফাদব (অংশ) ওইন ফোংদোকই। "তদেতচ্ছ্রীবৈকুণ্ঠস্য স্বরূপং নিরূপিতম্। তচ্চ যথা শ্রীভগবানেব ক্বচিৎ পূর্ণত্বেন ক্বচিদংশত্বেন চ বর্ত্ততে তথৈব ইতি বহবস্তম্যাপি ভেদাঃ। ভগবৎ-সন্দর্ভঃ। ৭৬। প্রমাণ অসিদগী খঙবা ওম্মী ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা মফম তোংন-তোংন। অবতার তোবগুম্না (ফোংদোকপগুম্না) মহাকী ধাম-শ্রীবৃন্দাবনস্মু শ্রীকৃষ্ণগী তুং ইন্দুনা সাইওন্দুনা ফোংদোক্লুই। পরব্যোমাধিপতি নারায়ণ অসি শ্রীকৃষ্ণ॥ বিলাসরূপনি (শ্রীকৃষ্ণনা ওইবনি) পরব্যোমস্মু শ্রীবৃন্দাবনগী বিলাসরূপনি। ১। ৪। ১৪ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু।

তাহার উপরিভাগে কৃষ্ণলোক খ্যাতি।
দ্বারকা মথুরা গোকুল–ত্রিবিধত্বে স্থিতি ॥ ১৩

অর্থ :–

মাতুগী মথক্তা কৃষ্ণলোক হাঙৈনা খঙনবি ।
দ্বারকা মথুরা গোকুল—মখল অহুম লৈবি ১৩ ॥

গৌর কৃপা-টীকা

(মণিপুরগী শ্রীরাধা-গোবিন্দ অ স বৃন্দাবনগী শ্রীরাধা-গোবিন্দন কো দোরনান । ১ । ১ । ৩৮ শ্লোক অংসুং লঘুভাগবতামৃতে, পূর্ব্বখণ্ডে (১ । ২১)

কৃষ্ণগী অবতরনচিংনা শ্রীকৃষ্ণন (হাঙৈবদি কৃষ্ণগী বিলাসরূপ নারায়ণ অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী অংশ অতোপ-অতোপ্পন) অমসুং শ্রীকৃষ্ণ। অবতারশিংনা (মৎস্য-কূর্ম্মনচিংনা। তাগী অবতার-থেঙ্গুগী অবতারশিংনা) মমখা হাঙৈগ্রিব পরব্যোমগী মমুংদ ॥ মাগী ধামদ লৈতুনা লীলাবিলাসনচিংবা শান্নদুনা লৈ। লৈফম্নি—হৈ অসিনা খঙনবিবদি অতোপ-অতোপ্পা ভগবৎকী মশকশিংনা মাগী মাগী ধামদ মনিংমথা তৌনা লীলা বিলাসনচিংব তৌদুনা লৈ, ধাম পূর্ণমক অদা মখোযনা লেবদা কবিসু খুদা চাদবা অনন্ত লৈ। তা—থেঙ্গুগী অবতারনচিংনা আবরণ ওইনা পরব্যোমদা লৈ, কান্নবনা মতুং-ইন্না (দববারগী মতুং ইন্না) ব্রহ্মাণ্ডদা অবতার তৌই অমসুং ব্রহ্মাণ্ড॥ থবক লোইরগা অমুকহন্না পরব্যোমদা লেঙশিনখ। অবতার পূর্ণমক পরব্যোমদা লৈদন। হাঙৈগী প্রমাণ লঘুভাগবতামৃতদা উবা ফংই। "সর্ব্বেষামবতারাণাং পরব্যোম্নি প্রকাশিত নিবাসাঃ পরমাশ্চর্য্য ইতি শাস্ত্রে নিরূপ্যতে। তথাহি পাদ্মে— বকুণ্ঠ ভবনে নিত্যে নিবসন্তি মহোজ্জ্বলাঃ। অবতারাঃ সদা তত্র মৎস্য কূর্ম্মাদয়োখিলাঃ॥ শাস্ত্রদা উবা থংডী, পরব্যোম ধামদ অবতার পূর্ণমক লৈবম পূর্ণনা অসিন অমসুং থংনা থজরা পদ্ম পুরাণ হান সনাতন বৃহৎ-ভাগবতামৃত (২ । ৪ (থেঙ)) অবতার পূর্ণনা মতম লৈনা খিবও। শুদ্ধ সত্ত্বমূর্ত্তি চন্দুন ... অবতার ... ১৩। শ্লোক ৮৩ ... অদু (শরার নং লেখক মাগী মা॥ বমদা)।

১৩। শ্রীবলদেবনা মখল মথা থাম্বা শরবন পৃথাক্কনা পরব্যোমদা লৌল সাইনে, কৃষ্ণলোকা লীলা তৌই অমসুং কারণ-সমুদ্রগা ব্রহ্মাণ্ডনাচং ... শ্রীবলদেবগী তত্ত্ব শীংথাবা তাববদি মহাক্কা ইবা মশক পূর্ণমক্কী লীলাসাচব মসং ধাম-নচিংবা শীংথাকম থোকহ। মরম অদুন লাইরিক লেংবাংবনা অহুনবা পরব্যোমগী মবমদা শীংথারগা হৌজিক কৃষ্ণলোকা মরমদা শীংথাজবি।

সর্ব্বোপরি শ্রীগোকুল ব্রজলোক ধাম।
শ্রীগোলোক শ্বেতদ্বীপ বৃন্দাবন নাম। ১৪

অর্থ :

গোকুল ব্রজলোক ধাম্না খ্বাইদগী মকোক্কি।
শ্রীগোলোক শ্বেতদ্বীপ বৃন্দাবন হাঙীনবা কৌবনি।। ১৫

গৌর-কৃপা টীকা

মাতুগী মথক্তা পরব্যোমগী মথক্তা। কৃষ্ণলোক হাঙীনা খণ্ডনরি—কৃষ্ণলোক হাঙীনা মসিং চৎলে। পরব্যোমগী মথক্তা অমুবস্থু ধাম অমা লৈ, ধাম অদুদা স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা লীলা পাইনৈ হাঙীহু। মফম অদুবু কৃষ্ণলোক কৌই। লীলা খেন্নবগী মতুংইন্না কৃষ্ণলোক অসি অমুক মখল অহুম থোর খাযবি — মাদুদি দ্বারকা, মথুরা অমসুং গোকুল। মখা অসুম লৈথম মাল অদু গোলোক নত্রি (কৃষ্ণলোকা)।

কৃষ্ণলোকা মবমদা শ্রীজীবগোস্বামীনা মহাক্কী বটসন্দর্ভদা অস্মুন্না হাঙীবি:—অস্মাদ যথা ভুবি প্রকাশ ইতি ন্যায়াচ্চ স্বতন্ত্র এব দ্বারকা মথুরা গোকুলাত্মক: শ্রীকৃষ্ণলোক: স্বয়ং ভগবতো বিহারাস্পদত্বেন ভবতি সর্ব্বোপরি ইতি সিদ্ধম। অতএব বৃন্দাবনং গোকুলমেব সর্ব্বোপরিবিরাজমানং গোলোকত্বেন প্রসিদ্ধম। বরাহ পুরাণগী (অসিগী পুরাণগী ব্রাহ্ম মতুং-ইন্না শ্রীকৃষ্ণলোকা ভগবদ্ধাম পুন্নমক্কী মকো ।। ৩। হাঙীদুনা) দ্বারা।— মথুরা—গোকুল কৌবা শ্রীকৃষ্ণলোক্তা স্বয়ং ভগবান্না লীলা সবৈ হাঙীবা শ্রীকৃষ্ণ পুন্নমক্কী মথক্তা ডাগী, মাসি অচুম্বনি সিদ্ধ ওইববনি। মবন অসিন শ্রীবৃন্দাবনগী মহাত্মা মসি অমনা গোকুল কৌই, লোক পুন্নমক্কী মথক্তা (দ্বারব থুবাগীসু মথক্তা) পান্দুনা লৈ। অমসুং গালোক হাঙীনা খণ্ডনৈ। শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভ। ১৬। বৈকুণ্ঠ। পরব্যোম) মথক্তা কৃষ্ণলোক লৈ, বা অসি শ্রীবৃহদভাগবতামৃতদস্তু হাঙীবি। "বুগৌপরিব্রজস্য জগদেকশিরোমণি:। মহিমা স্তবে-দেব গোলোকস্যাধিকাধিক: ।। ২।৫।৮৯।।" নারদপঞ্চরাত্রদসু বা অস্মুন্না হাঙীরি; "তৎসর্ব্বোপরি গোলোকে শ্রীগোবিন্দ: সদা স্বয়ম। বিহরেৎ পরমানন্দী গোপী গোকুলনায়ক:।। শ্রীকৃষ্ণসান্দর্ভে ধৃতবচন। ১০৬।।" মতুংগী টীকাদা যেংবিযু।

পযাব অসিগী মতুংদা কবি কবিরাজনা লাইবিক্তা গ্লোক অসি উবা ফংই, মাদুদি:- "স্বস্বমূর্দ্ধিং যথা সূর্যো মধ্যাহ্নে দৃশ্যতে তথা। অচিন্ত্যশক্ত্যা ভাত্যুর্দ্ধিনা পৃথিব্যামপি দৃশ্যতে। ভুমিং হবা মতমদা মশা মশাগী মকোক নথক্তা ভুমিংপু উবা, মতৌ অদুগুম্না শাংখোবা উমদনা চাউখরবা মগুণ অদু মক্তনা মহাক্কী মডান অদু পৃথিবীদসু উবা ফংঙী"। তৌইগুমদসুং অরাপ্পা লাইবিক্তদি মাসি যাওদে।

১৪। দ্বারকা, মথুরা অমসুং গোকুল ধাম অহুম অসিগী মতুংদা করম্বা ধাম্না খ্বাইদগী মথক্তা লৈবগে হাঙীবদু হাঙীজরি— শ্রীগোকুলনা খ্বাই পুন্নমক্কী মথক্তা লৈ। দ্বারকাগা

গৌর-কৃপা টীকা

মথুরাগনা গোকুলগী মখাদা নৈ। গোকুলগী অতোপ্পা মমিং অমনা ব্রজ-লোক কৌই। পথাব অসিদগা খণ্ডবা শ্বৰ্গী, ব্রজ-লোক, গোলোক, শ্বেতদ্বীপ অমসুং বৃন্দাবন—পুম্নমক অসি গোকুলগী অতে প-অতোপ্পা তাঙ্গান তোঙানবা মমিং ওা শনি। স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী স্বয়ং লীলা শাঙ্কমু লাইবিরুচিংবদা মহৌশানা গোকুল, গোলোক, বৃন্দাবন, ব্রজ অমদি শ্বেতদ্বীপ হ ঈনৈ।

"স্বয়ং ভগবান কৃষ্ণ গোবিন্দাপব নাম। সর্ব্বৈশ্বর্য্য পূর্ণ যাব গোলোক নিত্যধাম॥ ১।২০।১৩৩॥" শৈরেং অসিদা থাঙ্গৈশেংবা মশক্কা ধাম্বু 'গোলোক' নি হাঙ্গনি। "ব্রজে শ্রীকৃষ্ণ সর্ব্বৈশ্বর্য্য প্রকাশে পূর্ণতম। ১।২০।১৩১॥" শৈরেং অসিদা থাঙ্গৈশেংবা স্বরূপকী মশক্কী ধাম্বু 'ব্রজ' কৌই হাঙ্গবে। "কৃষ্ণস্য পূর্ণতমতা ব্যক্তাভূৎ গোকুলান্তরে। ভ, র, স, দ, বিভাগ লহরী। ১২০॥" মফম অসিদনা ধাম অসুবু "গোকুল" অসুং "গোলোকাখ্য-গোকুল, মথুরা, দ্বারাবতী। এই তিন লোকে কৃষ্ণের সহজ নিত্যস্থিতি॥ ২।২১।৭৭॥" শৈরেং অসুম অসিদা গোলোকপু গোকুল হাঙ্গবে। "অন্তঃপুর গোলোক শ্রীবৃন্দাবন। যাহা নিত্যস্থিতি মাতাপিতা বন্ধুগণ। ২।২১।৩৩॥ তবে যাব তদুপরি গোলোক বৃন্দাবন। ২।২১।১৩৬॥ শৈরেং অসিদা গোলোকপু বৃন্দাবন হাঙ্গরে "ভজে শ্বেতদ্বীপং তমহমিহ গোলোকমিতি যম। ব্র, সং, ৫।৫৬॥" মফম অসিদ— গোলোকপু শ্বেতদ্বীপ হাঙ্গবে। মথক্কী মতাং অসুম শুবগী পযাব অসুমশুংগী টীকাদা গোলোক-শব্দগী অর্থ যাম্না সাংনা ইবিবা অদুদা য়েংবিয়ু।

শ্রীকৃষ্ণ মশামক্কা দ্বারকা, মথুরা অমসুং গোকুল ধাম অসুম অসিদা লীলা সায়বগনু অসুম অসিগী মনুংদা গোকুলদা শান্নবনা মাধুর্য্য ফোংদোকপা পুম্নমক্তগী হেন্না। মবম অসিনা ধাম অসুমগী মনুংদা গোকুলনা খ্বাইদগী মথোইবনি (বৃহদ ভাগবতামৃত। ২। ৫।৮৮)। পুম্নমক্কা মকোক্কি—পুম্নমক্কী মথক্কি ; দ্বারকা মথুরাগী (পরব্যোমগীসু) মথক্কি।

মফম অসিদা মথক্কি—মখানি হাঙ্গবা য়াওৈ অসি ভৌগোলিক মফমগী মতৌগুম্না অনেম-অয়াং নাইবা (চীংদোনা য়াংবা নত্রগা য়াতোনদোনা য়াংবা) নত্তে সর্ব্বগ, অনন্ত, বিভু, লাইগী ধাম পুম্নমক্কা ভৌগোলিক মফমগী মতৌগুম্না অনেম-অয়াং নাইবা হৌনদে। ধাম অসুগী মগুণ য়াম্না চাউবা অসুনা অয়াংবা হাঙ্গনৈ, মগুণ থবা হন্থবা অসুনা, অনেম্বা অম্মুম্না হায়নৈ। শ্রীকৃষ্ণগী থৌরমশিং অসি য়াম্না অওকপনি, মহাক্কী ঐশ্বর্য্যসু, যাম্না অওকপনি।

সর্ব্বগ অনন্ত বিভু কৃষ্ণতনু সম।
উপর্যধো ব্যাপি আছে—নাহিক নিয়ম॥ ২৫

অর্থ :—

কৃষ্ণগা মান্নে সব্বগ, অনন্ত, বিভুনি।
মথক-মখা শিন্দুংনা লৈ নিয়ম লাংদবনি॥ ১৫

গৌর-কৃপা টীকা

অঙুম ওইবা ঐশ্বর্য্য অদু গোলোক্তা অথোইবা ওইনা ফোংদোকই। ফোংদাক্লমদ্রবদি গোলোক্না খ্বাইগী মথক্তি হাঙ্গনবন্নোই। ব্রজলোক ধাম—ব্রজলোক্ লৌবা মফম অমা, ব্রজদা লৈবিবা মীশিংগী (গোপ-গোপীনচিংবগা) লৈফম ধাম। মতুংগী পযর ২১ গী টীকাদা যেংবিয়ু।

১৫ মথক্কী পয়ার ১০দা হাঙ্গখবে, পরব্যোমগী মনুংদা মশিং নাইদনা বৈকুণ্ঠ লৈ মখোয খুদিংমক সব্বগ (শিন্দুংনা লনা) অনন্ত বিভুনি (লাইনি) শ্রীগোকুলসু মতৌ অদুগুম্না সর্ব্বগ, অনন্ত, বিভু নত্তবা? ওইনা থোক্রব দ দ্বারকা-মথুরানচিংবগা মখগ্ত কংম্না লৈবা যাফম থোকপগে? মরমদি, সর্ব্বগ (মফম খুদিংদা শীন্দুংনা লৈবা) অনন্ত অমসুং বিভু মহক্কী মথক-মখা, অনৈম-অরাংনচিংবা লৈবা যাদ অমসুং মতু অতাগ্না করিগুম্না পোক্ অমগী মথক্তা নত্রগা নাকন্দসু লৈবা যাদবনিন ডমথৈ নাইদনা মাতু মথক মখাদা, নাকন্দা মফম খুদিংদা শীন্দুংনা লেগদবান। অস্পৃম হাঙ্গনা হংলকপা যাহ হাঙ্গন চিংনদুনা হাঙ্গখিবনি—শ্রীগোকুলসু সব্বগনি, অনন্তন অমসুং বিভুনি। অদুম ওইনমা মতুনা দ্বারকা-মথুরানচিংগা মথক্তা লৈবগী রা হাঙ্গজনি, মাগী মরমদ অসিনি—শ্রীকৃষ্ণ হকচাংসু সব্বগ, অনন্ত অমসুং বিভুন, মাদু ওইরবসু মহাক্কী অচিন্ত্য শক্তিগী মতুঃ মহক্কী মশক ডমথৈ নইবনি হাঙ্গনা পুক্নিংনা নীঙ্গী অদু ডমথৈ নাইব হকচা ওই মী। মতাংদ্না মহাক্না হকংহন্দা চংনা অমসুং ইমুং-মচুংগী মরূপ-মশাগ মথক্তা লৈ মতৌ অদুগুমদুন শ্রীকৃষ্ণগী ধাম শ্রীগোকুলসু শ্রীকৃষ্ণগা হকচাংগী মতৌগুম্না সব্বগ অনন্ত বিভু ওইরবসু অচিন্ত্য শক্তিগা থু। ডমথৈ নাইদনা মফম অমগী মতৌংগুম্না অমসু দ্বারকা-মথুরানচিংবগী মথক্তা লৈবা যাম্না নীঙ্গা। ডমাথ-নাইদনা অপিকপা মফম অমা মতৌগুম্না দ্বারকা-মথুরাগী মথক্তা লৈরবসু শ্রীগোকুলনা মথক্তা, মখাদা, নাকন্দা মফম পুম্নমক্ত রবি অমুক হাঙ্গিগদবগে অচন্তা (প্রাকৃত) ব্রহ্মাণ্ডনচিংবদসু শীন্দুংনা লৈ (শ্রীকৃষ্ণনা মমা

ব্রহ্মাণ্ডে প্রকাশ তার কৃষ্ণের ইচ্ছায়।
একই স্বরূপ তার, নাহি দুই কায়। ১৬

অর্থ

ব্রহ্মাণ্ডদা কৃষ্ণগা ইচ্ছানা ফোংদোকপনি।
মাগী মশক অমতনি অনি শুদবনি।। ১৬

গৌর-কৃপা টীকা

যশোমতীগী তস্পাক্তা লৈরবগ মিৎনা অউবা লম উদবা মফম প্রাকৃত-অপ্রাকৃতগী মফম পন্নমক শীন্তুনা লবা নতৌগু:)।১।৫।১১

শথকমথা—মফম পূন্নমক, মিৎনা উবা ব্রহ্মাণ্ডগীস্ম মালা। 'নয়ম ন ইদকনি লৈযগী মবমনা মথক্ত লৈকম শংকই মখাদ লৈয। থাকই হাঙ্গবা ব্রিগুপা নিংম লৈতু, লৈফমস্ম থোক্তে।

ভগবদ্ধাম অসি স্বরূপশক্তিগা বিভূতিনি অমস্মুং মফম খুদিংদা শান্তুংনা লৈবা মবম্না মথব-মথা ফাওবা লে হাঙ্গনা নীংঙী। থাঙ্গেশেংবদি, মফম পূন্নমক শীন্তুনা লেব-শীভগবানগী লৈকম্নি হাঙ্গত্নুনা, শ্রীকৃষ্ণনা হকচা খুদিংদা অমং মে. ঈশং ন্নুংশিং. আ।াশ. োবাক পোং পন্নমক্তা চংনা লেবগুম্না মহকী অমতা শতৈনা থাংস্ম ফম পন্নমক্ত জগতা অমস্ম জগংকী রংমদা চান্দুনা লৈ। "দেবং তদ্ধাম্নঃ পযাধং কৃষ্ণ-মা ...।ভযাধং প্রসক্তম। স্বতন্ত্র শীভগবান মত্যা থচ নাংন তচ্চীপ্রহবভযব পকা,শা ...। শ্রীকৃ।সন্দ:।১০৬ ... শ্রীকৃষ্ণনা সবরপ্রাপ্তকা বস্তুন্যাপক প্র প ... ১৮ শ্রীকৃষ্ণসং...

শ্রীগোকলব ক্বংগী হকচাংগা মাম্নবা লাইনা হাঙ্গনা হোস্তোব অম তেবি, না ... অসি—শ্রীকৃষ্ণগী হকচানা লাই ... বন্না মহাক্না ওহব শক্ত খেম্নদে অনস্য মশক ভগ্বাব স্ম শ্রীকৃষ্ণন মাশা ... । চমদন ভগবংবা মশাব ... । সাইনব চম্নী,—ম্নাদি পুথোবপা মম্নী, অদু মতুনা শ্রীগোকলস্ম লাই ওইবা মম্নমা মহাক্না মশং থীবা ৬দবা ভগবংকী মশক মশিং থীবা চমদবা লীলা শান্ননা মফম শইতুনা ফোংদোকই। ... ভগবানগী থাঙ্গেশং বা মশক্কি শ্রীকৃষ্ণনি, অদুগুম্না ভগবদ্ধামগী থাঙ্গেশে বা মশকস্ম শ্রীগোকুল হাঙ্গবদি কৃষ্ণ-লোকনি। অত্তোপ-অতোপ্পা ভগবদ্ধাম পূন্নমক শ্রীগোকুলনা ফোংদোকপনি। শ্রীকৃষ্ণনা মফম অমদা লীলা অনা সান্ননীংলবদি শ্রীগোকুল হাযবদি এজলোন্না মতম অতুমদা। ফম অতুমক্তদা ভগবংকী মশক অতুগ নীংবা থুংননবা হোংনৈ।১।৫।১১ পযাব টীকদা যেংবিয়ু।

১৬। শ্রীকৃষ্ণনা এন্মাণ্ড অসিদা ফোংদোক্না লীলা সান্নগে হাঙ্গনা শরূপা মতমদা ইবুংঙো মহাক্কী ধাম শ্রীগোকুলস্ম ব্রহ্মাণ্ডদা ফোংদোকই। মরম অদুনা হাঙ্গবিবনি—শ্রীকৃষ্ণগী

গৌর-কৃপা টীকা

ইচ্ছানা ব্রহ্মাণ্ডদা শ্রীগোকুলনা ফোংদোকই। শ্রীকৃষ্ণনা অপ্রকট (ফোংদোক্তবা) গোকুলগী করিগুম্বা অণ্ডকপা ভাব অমগা লোঈননা ব্রহ্মাণ্ডদা লীলা সান্নগে হাঈনা নীংখিবা মরম অত্থনা শ্রীগোকুলস্থু, শ্রীকৃষ্ণগী ভাব-অণ্ডকপা অত্থগী মতুং ইন্দুনা মশাগী মগুণগী করিগুম্বা অণ্ডকপা অমগা লোঈননা থাঙ্গেশেংনা ব্রহ্মাণ্ডদা ফোংদোকই। "এবঞ্চ যথা শ্রীভগবদবপুরাবির্ভবতি লোকে, তথৈব ক্বচিৎ কস্যচিৎ তৎপদস্যাবির্ভাবঃ শ্রায়তে।— মীগী মরক্তা ভগবৎ মূর্ত্তি ফোংদোকপগুম্মা করিগুম্বা মফমদা করিগুম্বা ভগবৎকী ধাম ফোংদোকপগী য়াস্থ তাবা ফংঙী। ভগবৎসন্দর্ভ। ৩৮।।" য়াঙাং অসিদা ভগবদ্ধাম্না জগৎতা ফোংদোক্তনা লৈ হাঈবগী প্রমাণ ফংঙী।১।৩।২১-২২ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু। মাগী মশক অমতনি—প্রাকৃত (মায়াগী) ব্রহ্মাণ্ডদা গোকুল অমদি ব্রজগী লৈবাক, ব্রজ লোক লৈরিবা অসি, পরব্যোমগী মথক্তা লৈরিবা গোকুলদগী মশক তোঙানবা অমা নত্তে; শ্রীকৃষ্ণগী ইচ্ছাশাক্তিগী ইঙ্গিৎনা পরব্যোমগী মথক্তা লৈবা গোকুলনা ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবনি। লৈরিবনি। ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা ব্রজলোক (ব্রজগী লম) অসিগা পরব্যোমগী মথক্তা লৈবা ব্রজলোকা মশক অমতনি। অনিগুদবনি—হকচাং অনি গুদে। ব্রজলোকী শকফম অনি গুদে—লাই ওইবনা অনিস্থ স্বফম থোক্তে। শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং অনি গুদে, পরব্যোমগী মথক্তা লৈরিবা ব্রজলোকী শ্রীকৃষ্ণদগী—ব্রহ্মাণ্ডগী ব্রজলোক্তা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণনা অতোপ্পা অমা নত্তে—অত্থগুমত্থনা শ্রীব্রজলোক-ধামস্থ মফম অনি গুদে; ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা ব্রজলোক ধামদগী পরব্যোমগী মথক্তা লৈবা ব্রজলোক্তা তোঙানবা অমা নত্তে। শ্রীব্রজলোক অসিদি বিভূনি (লাইনি) অমস্থং অণ্ডকপা শক্তি লৈবনি মশক অমতনি অমস্থং মশক হোংদোক্রবস্থ-শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তিগী মতৌগুম্মা মতম অমতদা মফম অয়াম্বদা ফোংদোকপা ঙম্মী। হরিদ্বার; প্রয়াগ, কাশী, কলিকাতা, অসিনচিংবা মফমগী গঙ্গা তুরেনগী ঈচেন অসি লম-লমদুগী পাকপা চাওবা মতুংইনা মথন-মথনগী অণ্ডকপা নিংখিজবা অত্থ খেন্নরবস্থ তোঙাল-তোঙাল্লবস্থ হৌরকফমদি অমতনিনা অমগা অমগা তোঙানবা নত্তে— অত্থনা অমতা ওইবা গঙ্গানা মফম খেন্ননা চেনবনিনা য়েংবদা অণ্ডকপা ফংবা অত্থস্থ খেন্ননা উরে—এতৌ অত্থগুমত্থনা অমতা ওইবা শ্রীব্রজলোক ধাম্না (ব্রজগী লৈবাক্না) লীলাগী মতুংইন্না অতোপ-অতোপ্পা মফমদা অতোপ-অতোপ্পা অণ্ডকপগী মশক ওইরবতনি।

প্রকট (ফোংদোকপা) অমস্থং অপ্রকট (ফোংদোক্তবা) লীলাগী ধাম (মফম) অসি অমতনি, অনিগুদে, য়া অসি শ্রীজীব গোস্বামীনা মহাক্কী শ্রীকৃষ্ণসন্দর্ভ কৌবা লাইরিক্তা প্রমাণ পীরম্মী। "শ্রীভগবন্নিত্যাধিষ্ঠানত্বেন তচ্ছ্রীবিগ্রহবত্থভয়ত্র প্রকাশাবিরোধাৎ সমানগুণ নাম রূপত্বেনাম্নাতত্বাচ্চাঘবাচ্চৈকবিধত্বমেব মন্তব্যম।—শ্রীভগবান্না নিতিগী লেঙদনা লৈবা

চিন্তামণি ভূমি, কল্পবৃক্ষময় বন।
চর্ম্মচক্ষে দেখে তারে প্রপঞ্চের সম॥ ১৭

অর্থ

কল্পবৃক্ষগী বননি চিন্তামণি লৈবাক্কি
অচম্বা মিৎনা মাত্রবু তচম্বা মানবনি॥ ১৭

গৌর কৃপা টীকা

মবম্না প্রকটা (অক্কেংবদা) অমম্বং অপ্রক। (মিংনা উবা ফংলিবা মাযাগী ব্রহ্মাণ্ডনা অমম্বং মিংনা উদবা মাযাচংদনা লৈবাকা) নফম পনিনক্তা কোংদাকিবনিনা ধাম (নফম) অমতনি হাঙ্গনা পুক্লিংনা নীঙ্গনি। নফম ··নি·ক্তাক্কে দেব্রিব শানগা মতি স্ত ··নি, গুণস্থ অমতনি, মশকস্থ (মশাস্ম) তম·নি। মবম অ্যনা ধাম (মফম) অমতনা লম অনিদা লৈবনি হায়না পুক্লিংনা নীংনি। শ্রীবৃহদ্‌ সন্দ ভ। ১০৬॥ নপক্কী পয়ার ১।৫।১১ গী টীকাদা য়েংনিব।

ব্রহ্মাণ্ডদি সামা লৈনা, উমাং নাইবা পানিনলিন ··তুগী মগ্ন দা অমুক তপিনপা লন মচেং অমা ওইনা বন্দধাম্না জগৎকী মা থওনা লেংবিনানি, মসি তাঙ্গনদ বৃজ ধাম বৃজলাকপু অপিকননি অমস্থ ··থ নাইবনি হাঙ্গনা নীফম যোংএ। শ্রীকৃষ্ণগী হকচা তসি মী·ইনগী হকচংগী ··ৌশম্না ··হ ··· ··খে ·ইবন হাঙ্গনা নীঙী, অদুগা ·ডা ··ইবংগী ম·মদা মহাক ··ম যশোদা দেবীগী ·মপাক্না নিশ··পিনপা হকচা ··· ··· ··· ··ংদা মইক্কা হক্ক··, অদু যেননা উনা ··· পিকই, অদু ··ইবন ··· নিডনি—নাইনি, মম· ···নীস্থনা ··বন ·· ··· ··লোক থা·। ··· ·গী (··ংবী অপা। লন মচং ·না ইনা ফোং·· ···) (উহনবদা) ···· নাইবনি হ ঈনা ····· ··· ···নি—নি·নি ·ফম ···। ···না লৈননি। ·· ·হন ··· দ (শ্রীকৃষ্ণনা নঙ্গাপ্ত ··· পা·ডা··) ···· অসি লাইনি ·· ··· ··· ··· ·· ··· ··· ··· ··জ··· ··· নি বা লম মচেং অমদ, ···· চ গী ··যদা ··· বঙ্গা নাশি না:নবা বৃগ· ·শিং থীনা ···· ··যা ···· ···· ···। শশ্না হাঙ্গনবা, মপূ যানা ··। শ্রীকৃষ্ণা লীলাগী··· নঙ্গাংদা শংগোকুলগী মপুং ফাবা শা· লফম যোক ···—শ্রবণী ইস্থাদগী মপূ ফাবা গোকুলনা ····· ··· ··· ··ইন যো···· ··· শংগোকুলগী শা থাবা ···· ···· ··· ·· ··· না ন ·· ·· তপি প ·· মচং অমদা ··· ওইব বিষ্ণু গোকুলনা মপৃংফ·· যোদোব।

১৭। গোকুল অমদি ব্রজলোক··· ··ক শীংপ জবি। ব্রজ ··· ··· পৃম্মক চিন্তামণিন, (·মল ম্ম·ম ··· ··· অমনি), অ··· ময়ম অদুগী উমংদা হৌবা উপাখৈদি কল্পবৃক্ষতাক্তনি।

গৌর-কৃপা-টীকা

চিন্তামণি লেবাক্কি—পৃথিবীগী মফম পূম্নমক্তা লৈম্বিবা লম অসি লৈবাক ভাক্তনি, তৌইগুম্বস্তু গোকুলগী লমদি লৈবাক নত্তে, চিন্তামণিনি। "ভুমিশ্চিন্তামণি স্তত্র। ব্রহ্ম সংহিতা। ৫। ২৬॥

ভূমিশ্চিন্তামণিগণময়ী। ব্রহ্ম সংহিতা। ৫। ৫৬॥" কল্পবৃক্ষ ওইনা বননি—শ্রীগোকুলগী বন্দা (উমংদা) হৌবিবা উ-মখৈ ব্রহ্মাণ্ডদা মাযা জগৎতা হৌরিবা উ—অসিগুম্বা অচম্ব উ-নত্তে—উ খুদিংমক অপ্রাকৃত কল্পবৃক্ষনি (চমদবা উ-নি)। "কল্পতরবো ক্রমাঃ ব্রহ্ম সংহিতা। ৫। ৫৬॥" চিন্তামণি—মমল য়াম্না য়ামথবা সনাদগী হেনবা মণি অমনি। মণি অসিগী মফমদা কনাগুম্বা অমনা মাগী অপাম্বা অচু ফংগী। কল্পবৃক্ষ—অঙকপা উ মখল অমনি, উ অসিগী মফমদসু কনাগুম্বা অমনা মাগী অপাম্বা অচু ফংই। শ্রীগোকুলগী চিন্তামণি অমসুং কল্পবৃক্ষদি অপ্রাকৃত, চিন্ময়নি—মখোইদি শ্রীকৃষ্ণগী চিচ্ছক্তিন ওনবনি, মবম অসিনা মখোইনা অপ্রাকৃত (অচম্বা নত্তবা মাযা চত্তদবা) অবেপ্পা অমাং অংা লৈত্রবা মহুয় পীবা ভস্মী।

বাহং অমা হংবিবা য়াই, শ্রীগোকুলগী লৈবাক অসিনা চিন্তামণি ওইববদি অমং মফম অতুগী উ মখৈনা কল্পবৃক্ষ ওইববদি অতুগা অতুম ওইবা গোকুল অতনা শ্রীকৃষ্ণগী ইচ্ছাদগী য়াথন্দগী ব্রহ্মাণ্ডদা ফোংদোকপা ওইববদি পৃথিবীদা ব্রহ্মাণ্ডদা লৈবিবা ব্রজলোক লৈবাক্না চিন্তামণি ওইদতুনা অতোপ্পা মফম॥ মসিগী মতৌংগুম্না লৈবাকভাক্তা ওইন উবিনা নবিগানো? অমসুং মহাকী উ-খিবিক্লা কল্পবৃক্ষগী মতৌংগুম্না উবা ফংদবা কবিগানো? লাহ অসিগী পাওখুমদা হায়ের্জবি—"অচম্বা মিংনা" অসিনচিংবা। ব্রহ্মাণ্ডদা লৈবিং ব্রজধামগী লৈবাকসু চিন্তামণিনি অমসুং মহাকা বনগী (উমংগী) উ-পূম্নমক কল্পবৃক্ষনি, তৌইগুম্বসুং অতুম ওইনমকসু অচম্বা মিংনদ (চর্ম্মচক্ষুনদি) চিন্তামণিবু উ ফদে, কল্পবৃক্ষগী মতৌবু (ধর্ম্মস) উদে। 'তেজোময়মিদং রম্যমদৃশং চর্ম্মচক্ষুষেতি—শ্রীকৃষ্ণ সন্দর্ভ (১০৬) ধৃত বৃহদগৌতমীয়তন্ত্রবচনম॥" অচম্বা মিংননি (পাপ লেব মিংনদি=প্রাকৃত চর্ম্মচক্ষুতে) অপ্রাকৃত-না (মাযাচ দবা অচম্বা নত্তবনা) ফোংদোক্লবিব ব্রজলোকপুসু অচম্বা (প্রাকৃত) মফমগী মতৌংগুম্না উই। মাতুগী মবমদি অসিনি, অচম ইন্দ্রিনা (প্রাকৃত ইন্দ্রি) চমদবা পোৎ মশক খঙবা ঙমদে—"চমদবা পোৎতি অচম মিংনা উবা ফংদবি। ২।৯ ১৭৯॥" ইন্দ্র লৈবগা পোংকী মশক হেক্তবা খঙবা নত্তে খঙবা ঙম্বগী শক্তি লৈত্রবদি। নাপঙবাশিংগী মনা পাল্লী, তৌইগুম্বসুং তাবাঙম্বগী শক্তি পাঙ্গল লৈতে, অতুনা নাকোং লৈরবসু নাপঙবনা করিসু তাবা লৈতে। কনাগুম্বা মনা পঙব

প্রেমনেত্রে দেখে তার স্বরূপপ্রকাশ ।
গোপ গোপী সঙ্গে যাঁহা কৃষ্ণের বিলাস ॥ ১৮

অর্থ :—

মাগী মশক কোংদোকপত্তু উদি প্রেমগী মিৎনা ।
গোপ গোপীগা লোইননা শান্নবত্তু কৃষ্ণনা ।। ১৮

গৌর-কৃপা টীকা

মীনা রা বম্না, রাংনা ডাংলবদি তাবা ফংডী, তৌহগুম্বসু খোঞ্জেল নেম্না ডপ্না দাংলবদি তাবা ফংদবা যাওই , মবম অতুনা খোঞ্জেল অরাংবা তাবা ফংলবস্থ অনেম্বা খোঞ্জেন্দি তাব ফংদ্রে । অচম্বা (প্রাকৃত) জীবগী মিৎ পাল্লী , তৌহগুম্বসুং অতুম ওইবা মিৎ অতুনা অচম্বা পোংতি উবা ফংডা হাঙ্গববু চমদবা (অপ্রাকৃত) পোং উননবগী পাঙ্গল লেতে , মরম অতুনা অচম্বা (প্রাকৃত) মিৎনা চমদবা মাযা চদবা (অপ্রাকৃত) পোং উবা ঙমদে (উদে) । ভগবদ্ধামগী মন্নুংদা লৈবা মায়া চদবা পোংশি অতুনা ফোংদাক্লা লীলা সান্নবস্থ অচম্বা জীবনা করিগুম্বা মতমদা পোং পুম্নমক অতু উবা য় দে— তৌইগুম্বসুং জীবগী মফমদা কৃপা তৌবিতুনা শ্রীভগবাম্না ব্রহ্মাণ্ডদা পৃথিবীদা লৈরিবা জীববু উহন্নবগীদমক করিগুম্বা ধামবু ব্রহ্মাণ্ডদা ফোংদোকই, মতম অতুদা জীবগী অচম্বা মিৎ অতুনা অতুম ওইবা মায়া চদবা চমদবা ধামগী অশেংবা মশক অতু মপু ফানা উন্দি ফংদ্রেগা, একম অতুদা অতুগুম্বা পোং অমদি উবা ফংডী—উবিবা পোং অতুদি, অচম্বা মিৎনদি অচম্বা পোংনি হঙ্গীনা লোই (নংডা) । মিং শসদা ভানোক অশংবা হাপচিল্লবদি অতৌবা পোংস্থ হশ-শংনা উহ, অদুগুম্বদুনা অচম্বা মৎ অসিনা অচম্বা মিৎয়েনা যেবা মতমদা,-ব্রহ্মাণ্ডদা ফোংদাক্লবা মধা চদনা অশেংবা পোং পুম্নমক অতুবু (অপ্রাকৃতবস্তু) অচম্বা পোং ওইনা এখোয়না উই । মরম অতুনা ব্রহ্মাণ্ডদা ফোংদোকুন ... ই খউনা লরবা মাযা পঙ্কবা চমদবা অশেংবা পজধাম্বুস্থ অচম্বা জীবননাদ অচম্বা মফাম্ন হাঙ্গনা পুন্নিংনা নীং । অচম্বা মিংনা শাপ কোকিবা মিংকী নিয়েংনা । অচম্বা মানবান—অচম্বা ব্রহ্মাণ্ডগী অচম্বা পোং মানবান ।

১৮ । শ্রীকৃষ্ণবু মতম কুহনা নাংজাকপদা ভগবৎ কৃপদগী থমোইদা মায়াগা অমোংপা লৈবম্বা অতু কোকথ্রবা মতমদা থমোই অতুদা শুদ্ধসত্ত্ব (অশেংবা অফবা) ফাওরকই মতম অতু শ্রীকৃষ্ণনা মাইকৈ পুম্নমকপা শন্দোকুনা থমিবা হ্লাদিনীনা অমাইবা ওইবা শুদ্ধ সত্ত্ব অতু থমোই অতুদা ফাওবকই (অতানশা মতাংগী শ্লোক ৪ শুবগী টীকাদা স্বর্ভাভ—এয়ন শব্দগী ব্যাখ্যাদা য়েবিয়ু) ।

গৌর-কৃপা-টীকা

লাই নীংজরিবা (সাধক) অদুগী থমোই অমসুং ইন্দ্রি পুম্নমক অদু শুদ্ধসত্ত্বগা অমতা ওইনা তিন্নপ্রগা হাঙ্গবদি পুক্লিং-পুকচেন অদু ফত্তবগী শরুক শুকয়াও য়াওপ্রবা মতম অদুদা ভক্ত অদুগী থমোই অমসুং ইন্দ্রি পুম্নমক অদুনা, অপ্রাকৃতগী পোং (মায়া জগৎকী বাংমগী পোং) ফংবা ওম্মী। হ্লাদিনীনা অথোইবা ওইবা শুদ্ধসত্ত্ব অদুনা ভক্তগী থমোইদা ভক্তি অমসুং প্রেম ওনখিদুনা ভক্ত অদুগী মিংনচিংবা ইন্দ্রি পুম্নমক অদু প্রেম্না পূনথন থনখি। অদুম ওইবা প্রেম্না থল্লবা ভক্তগী মিং অদুনা শ্রীব্রজধামগী লৈবাক অসি চিন্তামণি (মণি মখল অমা) ওইনা উই; মফম অদুগী উমংদা হৌরিবা উ-পুম্নমক অদু কল্পবৃক্ষ ওইনা উই অমসুং অদুম ওইবা ব্রজলোক ধাম অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী মরূপ-মপাং চান্নবশিংগা লোঙ্গননা লীলা সান্নবা অদুসু উবা ফংঙী।

শুদ্ধসত্ত্বগী মশক ওইবা ভক্তিগী কৃপানা, অমদি ভগবানগী অঙকপা শীংথাফম খঙদবা থৌজাল হৈবা অদুগী শক্তিনা ভক্তগী হকচাংসু (পঞ্চভূত=ভূত মঙানা শাবা হকচাংসু) সচ্চিদানন্দ অমদি চিন্ময় ওইবা ফংঙী, শ্রীবৃহদভাগবতামৃতদগী খঙবা ঙম্মী। "ভক্তানাং সচ্চিদানন্দরূপেষঙ্গেন্দ্রিয়াত্মসু। ঘটতে স্বানুরূপেসু বৈকুণ্ঠেহন্যত্রচ স্বতঃ ॥২।৩।১৩৯॥" শ্লোক অসিগী টীকাদা শ্রীপাদ সনাতনগোস্বামীনা ইরম্মী—"স্বানুরূপেষু স্বস্যাঃ সচ্চিদানন্দঘনরূপয়া ভক্তে সদৃশেষু যতঃ সচ্চিদানন্দরূপেষু অতো দ্বয়োরপ্যেকরূপত্বেন নোক্তদোষপ্রসঙ্গ ইতি ভাবঃ পাঞ্চভৌতিকদেহবত্তামপি ভক্তিস্ফূর্ত্যা সচ্চিদানন্দরূপ-তায়ামেব পর্য্যবসানাৎ। কিম্বা তৎকারুণ্যশক্তিবিশেষেণ তত্র তত্রাপি তত্তৎস্ফূর্ত্তিসম্ভবাৎ। কিম্বা আত্মনি তৎস্ফূর্ত্যা আত্মসত্ত্ব স্যৈব ভগবচ্ছক্তিবিশেষণ তদনুরূপাঙ্গেন্দ্রিয়াদিরূপতাপ্র-তিপাদনাদিতি দিক।" টীকা অসিগী মতুংইন্না হাঙ্গীরবা শ্লোক অসিগী মচংদি অস্মুম্না ওইগনি—"বৈকুণ্ঠদা লৈবা ওইসনু, নত্রগা অতোপ্পা করিগুম্বা মফম অমদা লৈজসনু, ভক্তশিংগী মতিকচাবা সচ্চিদানন্দগী মশক ওইবা হকচাং অদু ইশোই-শোঙ্গদনা ফংই। ভক্তিনা ফাওরক্লবদি মায়াগী মনুংচনবা হকচাং (পাঞ্চভৌতিকী হকচাং) সু সচ্চিদানন্দগী মশক ওই, অমদি ভগবানগী থৌজাল হৈবগী অঙকপা শক্তি অদুদা সচ্চিদানন্দগী মশক (নুংঙাইদুনতা লৈবা) ফাওই।" থাজেশেংবদি অচম্বা মীগী অচম্বা মিং অসিনা শ্রীভগবানগী নিংথিজবা শকফম অদু উবা হৌনদে, মাসি শাস্ত্রগী বাহৈনি। অর্জুনা হাঙ্গজবগী মতুং ইন্না মহাক্কী মফমদা বিশ্বরূপ উহনবগী মমাংদা শ্রীকৃষ্ণনা মাঙোন্দা হাঙ্গখি—"অর্জুন, নংগী মিং অদুনদি ঐগী ঈশ্বর ওইবগী শকফম অসি উবা ঙম্মোই;

গৌর-কৃপা টীকা

অদুনা ঐনা নঙোন্দা দিব্যচক্ষু (মায়া পক্নবা মিং) পীগে, মাদুনা য়েংউ। "নতু মাং সক্যসে দ্রষ্টুমনেনৈব স্বচক্ষুষা। দিব্যংদদামিতে চক্ষুঃ পশ্য মে যোগমৈশ্বরম ।। গীতা ১১। ৮।।" নন্দীমুনিনা লাই কন্না নীংবা অদুদা পেন্নদুনা শ্রীশিবনা মশক উহন্দ্রিঙৈগী মমাংদা অস্মুন্না হাঙ্গৈখি। "উক্তবাংশ্চ মুনিং শর্ব্বশ্চক্ষুর্দিব্যং দদামি তে। অদৃশ্যং পশ্য মে রূপং বৎস প্রীতোহস্মি তে মুনে ।। বরাহপুরাণ। ২১৩। ৩৬।।" মফম অসিদা শ্রীশিবনা হাঙ্গৈরি "অদৃশং মে রূপম—ঐগী ইশক্তি উবে'ই (হাঙ্গৈদি অচম্বা মিংনা উবা হৌনদে)।" মরমদি ভগবংকী মশক শুদ্ধসত্বময়নি (মায়া পক্নবা শক্তি), অপ্রাকৃত (চমদ্রবা) মূর্ত্তিনি, অদুনা মায়া পকপা অচম্বা মিংনা উবা ফংদে; উগদবদি অচম্বা নত্রবা মায়া পক্নবা মিংনা উগদবনি। ভগবদ্ধাম সু সন্ধিনীনা অথোইবা ওইনা, শুদ্ধসত্বনা ওনবনি-অদুনা অপ্রাকৃতনি (মায়া পক্নবনি), মরম অদুনা অচম্বা মিংনা ধাম অদুগী মশক অশেংবা উবা ফংদে। অচম্বা নাকোংনা অপ্রাকৃতগী খোঞ্জেল তাবা ফংদে। করিগুম্বা অপ্রাকৃতগী পোৎ অমতা কবিগুম্বা প্রাকৃত (অচম্বা) ইন্দ্রিনা খঙবা উমদে। য়োৎ-না মশাগী মরম্নাই, মৈগী অশাবা শক্তি লৈজদ্রবস্থু চাকপা উম্বগী শক্তি অদু ফংবা উম্মী, যোংনা চিংসিনবা উম্বগী শক্তি অদু লৈত্রবস্থু য়োৎচাবীগা তিন্নবগা চিংসিনবা উম্বগী শক্তি অদু ফংবা উম্মী, অদুগুমদুনা শুদ্ধসত্বগী (অশেংবা অফবগী) মশক ওইবা অপ্রাকৃত (চমদ্রবা) ভক্তিগী কৃপানা অমদি ভগবংকী কৃপানা ভক্তগী হকচাং অমসু ইন্দ্রি পুন্নমক্কা শুদ্ধসত্বগা তিন্নদুনা অমতা ওইববা মতম অদুদা ভক্তশিংনা মশা অদু অপ্রাকৃত ফংঙৌ (চমদবা ওনখ্রে), মতম অদুতদা ভক্তগী ইন্দ্রিনা ভগবংকা মশক অমসুং ভগবংকী ধাম্নচিংবা উবা ফংঙৌ, মতম অদুদা অশেংবা ইন্দ্রিশিং অদুগা ভগবংকী মশক অমদি ধাম্নচিংবগা শাগৈ অমতগী শুদ্ধসত্ব জাতিগী পোৎ ওই।

প্রেমগী মিংনা—প্রেম্না থল্লবা মিংনা। প্রেম্না থল্লবদি মিং অসিনা অপ্রাকৃত ওইবা পাৎ উবা ফংঙৌ। মাগী মশক-ফো দোকপদু ব্রজলোক্কী মশক (লৈবাক্কা চিন্তামণি ওইবা, উমংদা হৌবা উ পুন্নমক্কা কল্পবৃক্ষ ওইবা) ফোংদে কপদু। ব্রজলোক্কা লৈবাক্কা চিন্তামণি ওইবা, বন পুন্নমক্কী উ-খিবিক্কা কল্পবৃক্ষ ওইবা, পরব্যোমগী মথক্কা লৈবা অদুম ওইবা ব্রজলোক অদুনা ব্রহ্মাণ্ডদা পৃথিবীদা ফোংদোক্লনা ও স্না, প্রেমগী মিংনা ভক্তশিংনা উবা ফংঙৌ পাপ চেনবা অমদি অচম্বা মিংনা মাদু উবা ফংদে। গোপ—গোপীগা অসিনচিংবা ব্রজলোক্কা (ব্রহ্মাণ্ডদা ফোংদোক্লিবা ব্রজলোকসা) গোপ অমসুং গোপীশিংগা লেঙৈননা শ্রীকৃষ্ণনা লীলা সাগৈ, পরব্যোমগী মথক্কা লৈবা ব্রজলোক্কা গোপ-গোপীনচিংবা মরুপ

তথাহি ব্রহ্ম সংহিতায়াম (৫/২৯)
চিন্তামণিপ্রকরসদ্মসু কল্পবৃক্ষ লক্ষাবৃতেষু সুরভীরভি পালয়ন্তম।
লক্ষ্মীসহস্রশতসম্ভ্রম সেব্যমানং গোবিন্দমাদিপুরুষং তমহং ভজামি।।
—৪ ॥

গৌর-কৃপা-টীকা

মপাংগা লোইননা শ্রীকৃষ্ণনা লীলা সান্নবুনা লৈবা, অদুম ওইবা ব্রজলোক অদু ব্রহ্মাণ্ডদা (পৃথিবীদা) ফোংদোক্লুনা লৈবা মবন্না ভক্তগী প্রেমগী মিৎনা, শ্রীকৃষ্ণগী লীলা সান্নরিবা পুন্নমক অদু উবা ফঙৌ।

পযাব অসিদা শ্রীগোকুল অমদি ব্রজলোক অসি শ্রীকৃষ্ণগী মশামক্তী ধাম্নি হায়বা উহল্লে। ব্রজলোকতা লৈবাক্তা চিন্তামণিনি, মহাক্তী বনগী (উমংগী) উ-পুন্নমক কল্পবৃক্ষনি অমসুং মফম অদুদা গোপীশিংগা লোইননা শ্রীকৃষ্ণনা লীলা শান্নে হায়বসিগী প্রমাণ ওইনা মখাদা ব্রহ্মসংহিতাগী শ্লোক অমতং উচ্চবি।

শ্লো। ৪। অন্বয়। কল্পবৃক্ষ লক্ষাবৃতেষু (লক্ষ লক্ষ—কল্পবৃক্ষনা লৈতেংবা) চিন্তামণি প্রকরসদ্মসু (চিন্তামণি পুন্নমক্তা সাবা যুম পুন্নমক) সুরভীঃ (কামধেনু কৌবা ষণশিংবু) অভিপালয়ন্তং (ফজনা যোক-থান্নিবা) লক্ষ্মী সহস্রশতসম্ভ্রম সেব্যমানং (গোপ শাগৈগী ফজবী লিশিং চামনা চেকশিন্না সেবা তৌন্নিবা) ত (অদুম ওইবা) আদিপুরুষং (অহানবা নীপা) গোবিন্দং (গোবিন্দবু) ভজা ম (এন নীংজবি)।

অনুবাদ লক্ষ লক্ষ কল্পবৃক্ষনা লোএংব অমসুং চিন্তামণি পুন্নমক্তা সাবা যুম পুন্নমক্তা গোপ শাগৈগী ফজবী লিশিং চামনা চেকশিন্না সেবা তৌবিবা অমসুং কামধেনু সুরভি খিবিকপু ফজনা যোক থান্নিবা, অদুম ওইবা অহানবা নীপা শ্রীগোবিন্দবু ঐনা নীংজরি। ৪।

শ্লোক অসি ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণ খুরুম্বদা হায়বা বাহৈনি। অভিপালয়ন্তং—ষণ পুন্নমকপু যুমদগী বন্দা হোইহনা চৎপা, মকন অদু যোবগা শৃঙ্গক-ঈশিংনচিংবা পীজ-পীথকপা, বন্দগী অমুক যুমদা পুরকপা, ষণ পুন্নমক্তী মঙু তকপা, মথা শানাবা অসিনচিংবা মবম পুন্নমক ইরাং-বাৎতনা শ্রীগোবিন্দনা ষণ পুন্নমকপু মুংশিবা উংতুনা যোকই। মতৌ অসুম্না ষণ পুন্নমকপু য়োকই হায়দুনা মাগী মমিং গোবিন্দ কৌই। (গো-গী অর্থদি ষণ হায়বনি, ষণ পুন্নমকপু যোকপী হায়দুনা মাবু গোবিন্দ কৌই)। ষণ শেনবগী লীলা অসি ইবুংঙো মহাক্তা ইফোং-ফোংনা সান্নে। অদুগা অচম্বা (সাধারনগী) মীবুদি উহন্দনা অতোপ্পা মখল অমগী লীলাসু সান্নে-গোপী লিশিং চামগা সেবা লোই, শ্রীকৃষ্ণগী মুঙাইনবগীদমক মখোঈনা মবম খুদিংমক্তা মশামকা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌই।

মথুরা দ্বারকায় নিজ রূপ প্রকাশিয়া।
নানারূপে বিলাসয়ে চতুর্ব্যূহ হৈয়া ॥ ১৯
বাসুদেব সঙ্কর্ষণ প্রদ্যুম্নানিরুদ্ধ।
সর্ব্বচতুর্ব্যূহ অংশী তুরীয় বিশুদ্ধ ॥ ২০

অর্থ :—

মথুরা দ্বারকাদা মশাগী রূপ ফোংদোক্লুনা।
অয়াম্বা লীলা সান্নে ব্যূহ মরি ওইদুনা ॥ ১৯
বাসুদেব সঙ্কর্ষণ প্রদ্যুম্নানিরুদ্ধ ওই।
ব্যূহ মরি পুন্নমক্কী অংশী অশেংবা ওই ॥ ২০

গৌর-কৃপা-টীকা

মখোইগী ইন্দ্রি খুদিংমক্কা সেবা তৌজদুনা শ্রীকৃষ্ণবু নুংঙাইহন্নবগী খৌরাংডী, শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবনা গোপ শাগৈগী ফজবীশিংগী ইন্দ্রি খুদিংমক্কী পুন্সিগী অরোইবা রাখন্নি; শ্রীকৃষ্ণনা মখোইগী সেবা লৌবিদুনা মখোইগী ইন্দ্রি পুন্নমকপু ঙাকসা হাঙবদী মহয় য়ালহল্লী —মরম অদুনস্তু ইলুংঙো মহাক্কা মমিং গোবিন্দ কৌই হাঙবা যাই। (গো রাহৈগী অর্থ অমদি ইন্দ্রিবু খঙনৈ, মবম অদুনা ইন্দ্রি পুন্নমকপু ঙাকপী অমস্তুং মহয যালহল্লী, নুংঙাইহল্লী, মপুনি (স্বামী নি) হাঙদুনা মহাকপু গোবিন্দ কৌই)। শ্রীকৃষ্ণগী ধাম গোকুলদা লীলা পুন্নমক সান্নে; অদুম ওইবা গোকুল (ব্রজলোক) অদুদা কল্পবৃক্ষ লক্ষ লক্ষনা লৈতেংদুনা লৈ অমস্তুং গোকুলগী যুম্নাচংবা অদু চিন্ত মণিনা লৈতেংবনি হাঙবদু শোক অসিনা ফোংদোক্লে।

১৯। কৃষ্ণলোকী (কৃষ্ণনা লৈবা মফমগী) মনুংচনবা গোকুলদা শ্রীকৃষ্ণনা লীলা সান্নে হাঙবসি মথক্কী পয়ারদা ফোংদোকখ্রবনিনা, দ্বারকা মথুরাদ ইবুংঙো মহাক্কা কবম্না লীলা তৌবগে হাঙবদু ফোংদোকচবি।

পয়ার অসিগী অর্থদি- মথুরা-দ্বারকাদা ব্যূহ মরি ওইদুনা (চতুর্ব্যূহরূপে) মশাগী শক্লোন ফোংদোক্লুনা অযাম্বা লীলা সান্নে।

অয়াম্বা-মখল—মখা অয়াম্বা লীলা। ব্যূহ মরি -মূর্ত্তি মরি নত্রগা ব্যূহ (কুযোম) মরি; মূর্ত্তি মরি অদু করি কবিনো হাঙবদু মখাগী পযারদা হাঙজবক্লি।

২০। ব্যূহ মরি (চতুর্ব্যূহ) গী মমিং হাঙজরি। মাদুদি ১। বাসুদেব, ২। সঙ্কর্ষণ, ৩। প্রদ্যুম্ন অমসুং ৪। অনিরুদ্ধ, শ্রীকৃষ্ণনা মরি অসি ওইদুনা দ্বারকা—মথুরা লীলাদা শক্লোন পুথোক্লুনা সান্নে।

গৌর-কৃপা-টীকা

বাসুদেব- দেবকী দেবী অমসুং বসুদেবগী মচানি, মহাক্না দ্বারকা- চতুর্ব্যূহগী অহানবা বাহনি অমসু ব্রজেন্দ্র-নন্দন শ্রীকৃষ্ণগী সাইওন ফোংদোকপা রূপ অমনি। ব্রজেন্দ্র-নন্দন (ব্রজ নিংথৌগী মচা) দি পান্থোম অনিদগী হেন্দে, গোপগী (যশ শেনবগী) ফিজেং শেংলী অমসুং গোপ জাতিগী পুকচেন চেল্লী।

বাসুদেবদি কবি করিংগুম্বা মতমদা পান্থোম অনিস্থ পাল্লী, মবিস্থ পাল্লী, ক্ষত্রিয়গী ফিজেং শেংলা অমসুং ক্ষত্রিয়গী পুকচেন চেল্লী। শন্দোক্না শীংথাবিবদি মধ্যলীলাগী মতাং ২০ শুবদনি যেংবিয়ু। সঙ্কর্ষণ—শ্রীবলরামনা দ্বারকা-মথুরাগী লীলাদা ওইবা শকক্ষম অদু সঙ্কর্ষণ কৌই; দেবকীগী গর্ভদগী পাইখিত্না (চিংথোকখিত্না) রোহিণীগী গর্ভদা চংলুই হাঙ্গত্না মহাকপু সঙ্কর্ষণ কৌই। (মথক্কী পযার ৩কক শুবদা যেংবিয়ু)। মহাক দ্বারকা ব্যূহ মরিগী অনিশুবা বাহনি। বলরামনা স্বয়ং ওইনা ব্রজদা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাগী তেংবাংঙী (১।৫।৭), অদুম ওইবা শ্রীবলরাম অদুনা সঙ্কর্ষণ ওইত্না দ্বারকা—মথুরাদা বাসুদেবগী লীলাগী তেংবাংঙী। বাসুদেববু শ্রীকৃষ্ণনিস্থ হাঙ্গবা য়াই, অদুগুমত্না সঙ্কর্ষণবুসু বলরামনি হাঙ্গবা যাই। হকচাংগী বুদ্ধ অমসুং শাওং-শাদাদা নন্দগী নলবামগা দ্বারক-মথুরাগী সঙ্কর্ষণগা করিবু খেন্নব লাতে মখাঙ্গ অনিমক পান্থোম অনিপানবা ভাক্তনি অডৌবা কুচু ভাক্তনি, তোইগুম্বসুং মথোঙ্গী ভাবতি খরা খেন্নবা লৈ—ব্রজদা যশ শেনবগী ভাব লৈ, দ্বরকা-মথবাদা ক্ষত্রিয়গী ভাব লৈ। যোংদোক্তবা (অপ্রকট) লীলাদা গোকুল মথুরা অমসুং দ্বারকা ধাম অদুম অসিগী ধাম খুদিংমক্তা, শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীবলরামগী লেঙান তোঙানবা বিগ্রহ (হকচাং) নিতিগী লৈ, তৌইগুম্বসু ফোংদোকপা (প্রকট) লীলাদা ধাম অমদা মথোঙ্গনা লীলা শান্নবিভেগী মত দা, অতোপ্পা ধাম অমদা মখেঙ্গনা কবিগুম্বদসু ফোংদোক্তনা লৈতে।

সঙ্কর্ষণ অসি সাক্ষাৎ শ্রীবলরামনি, শ্রীবলরাম অসি স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণগী অনিশুবা হকচাংনি হংঙ্গত্না মথক্কী পযারদা সঙ্কর্ষণবুসু শ্রীকৃষ্ণগী সাইওন মখল অমনি হাঙ্গখ্রে। থাঙ্গেশেংবমক বলরামগী সাইওন অদুমক শ্রীকৃষ্ণগী সাইওন্নি। মরমদি শ্রীকৃষ্ণনা তত্ত্ব মন্নানি।

প্রদ্যুম্ন—শ্রীরুক্মিণী দেবীগী গর্ভদা পোকপা শ্রীকৃষ্ণগী মচানি। শ্রীকৃষ্ণনা আশ্রয় ওইনা (মপুশাবা-নত্তবা) বাৎসল্যরস চুপকে হাঙ্গবগীদমক প্রদ্যুম্ন কৌত্না মাগী মচা ওইনা ফোংদোক্লনা তনাদি বালদগী দ্বারকাদা অপ্রকট লীলা শান্নে। প্রকট দ্বারকাদা অদুম ওইবা প্রদ্যুম্ন অসিনা শ্রীরুক্মিণীগী গর্ভদা পোকপনি হাঙ্গনা লীলাদা ফোংদোকই। মরম অসিনা শ্রীপ্রদ্যুম্ন অসি শ্রীকৃষ্ণগী সাইওন (আবির্ভাব) মখল অমনি, মহাক্না দ্বারকা ব্যূহমরিগী অদুমশুবা ব্যূহনি। অনিরুদ্ধ—মহাক শ্রীকৃষ্ণগী

এই তিন লোকে কৃষ্ণ কেবল লীলাময়।
নিজগণ লঞা খেলে অনন্ত সময়॥ ২১

অর্থ :—

শ্রীকৃষ্ণনা মফম অহুম সিদা লীল সারৈ।
ম-শিংগা লোঙ্গননা চহি মশিং নাইদনা সান্নে। ২১

গৌর-কৃপা-তরঙ্গিণী টীকা

মশুনি, রুক্মিণীগী মচা মুপী রুক্মবতীগী (বি. পু মোৎতা ককুদ্বতীগী) গর্ভদা পোকপা প্রদ্যুম্নগী মচানি। অপ্রকট লীলাদা অনিরুদ্ধ পুরিদা শ্রীকৃষ্ণনা মশু নীপানি হাঙ্গনা নীংঙী, প্রকট-লীলাদা প্রদ্যুম্নগী মুপী রুক্মবতীগী গর্ভদা মচাক্কী অপোকপা লীলা শান্নে। প্রদ্যুম্ন মতৌ মচা মহাকস্না রুক্মিণী আবির্ভাব (শাব্রেন) মখন অমনি, মহা অসি দ্বারকাগী ব্যূহ মথিনী মখুংদা মথিশুবা [illegible]।

বাহ মরি পদ্মমক্কী অংশী বাসুদেবনচিংবা দ্বারক —বাহমথি অসি অতোপ্পা ব্যূহমথি পদ্মমক্কী অংশীনি দ্বারকা চতুর্ব্যূহনা অতোপ্প ব্যূহমথিগী মরুন, দ্বারকা ব্যূহমথিদগী অতে অতোপ্পা ব্যূহমথি পুথোরক, মরম অসিনা অতোপ তোপ্প ব্যূহমথি অসি দ্বারকা ব্যূহমথিগী অংশনি (সাইংনগিবনি)।

"বাসুদেবাদয়ো ব্যূহ: পরব্যোমেশ্বরস্য যে। তদ্ভ্যাহ প্যুর্কসভাজোতমা কৃষ্ণ ব্যূহ: সতা মত:। ল. ভ॥ শ্রীকৃষ্ণামৃতম। ৩৬৭" প্রমাণ অসিদগী শঙবা ভুম্মী দ্বারকা নিংথৌ শ্রীকৃষ্ণা চতুর্ব্যূহন পরব্যোম মপুনী (নিপো) চতুর্ব্যূহদ থোইদোক-হোংদাকই মরম অমন [illegible] চতুর্ব্যূহনা অংশী [illegible] ভাগবতকী [illegible] ৭২। [illegible] 'সাক্ষাৎমন্মথমন্মথ' বাহৈগী গবাদা শ্রীজীব গোস্বামীন ইবম্মী 'নান চতুর্ব্যূহস্য পদ্যান্নাস্ত্য, [illegible] মসিদা [illegible] ভুম্মী, বাম অ [illegible] আতাপ্পদা ব্যূহমথি লে। ব্যূহ মথি পদ্মমক অসি অংশীস্ব দ্বারকগী ব্যূহ মবন ১।৪ ৩৬ [illegible] টীকাদা যবিন। [illegible] চংদবা অংশংন, অপাক। [illegible] হাংবা খোঙ্গোব [illegible] নবিন দ, [illegible] লীলাদ বাসুদেবন [illegible] ব্যূহম [illegible] পনচিনবা উবা [illegible]। অসঙ্খ্য জীব [illegible], তৌইশ্ময় [illegible] অসি স্বয় ভগবান শ্রীকৃষ্ণ আবির্ভাব সাইংন মখন অমনি, মসন অসিন স চিদানন্দ বিগ্রহনি। [illegible] বলীনা (মীংইবগী লাল) সদ্ধি [illegible] লীলা [illegible] মখোঙ্গগী পোকপন চবা [illegible] খাঙ্গৈশংবমক্ত [illegible]॥ পোকপ শিবা লতে, শ্রী কৃষ্ণনী মতৌ মচা সনাদ সিদ্ধ ওইবব। পোংনি

২১। মফম অহুম সিদ গোকুল মথুর দ্বারকা।। মী-শিংগা লোইন্ন-মা ওইবা মশিংগা লোয়ননা। চহি নশিং নাইদনা অনাদি কালদগী (লৈগং শেমদিডৈদগী) হোৎলা চহি [illegible]

যদ্যপি কেবল তাঁর ক্রীড়ামাত্র ধর্ম্ম।
তথাপি জীবের কৃপায় করে এত কর্ম্ম ॥ ২৫
সালোক্য সামীপ্য সার্ষ্টি সারূপ্য প্রকার।
চারি মুক্তি দিয়া করে জীবের নিস্তার ॥ ২৬

অর্থ :—

ভগবান নারায়ণন্তি সান্নবনা থম্মনি।
অদুম ওইনমক জীববুদি চানবিবনি ॥ ২৫
সালোক্য সামীপ্য সার্ষ্টি সারূপ্য মখল্লা।
জীববু লানবি মুক্তি মরি পীবিহুনা ॥ ২৬

গৌর-কৃপা-টীকা

শক্তিগী মমিং শ্রী-শক্তি কৌই, মহাক্না নারায়ণগী চান্নবী লক্ষ্মী ওইহুনা পরব্যোমগী মপুগী চরণ সেবাবু মখল-মখা অযাম্বা থোরম্না সেবা তৌই। জগৎপু পোকহল্লিবা লৈহল্লিবা শক্তিগী মমিং ভূ-শক্তি কৌই অমসু শ্রীনারায়ণগী লীলা শীল্লিবা শক্তিবু মকম অসিদা লীলা শক্তি কৌই। ভূশক্তিগা লীলা শক্তিগা অনি অসিন লক্ষ্মী দেবী ॥ নাকন অনিদ লৈ। পার্শ্বযে বরনী লীলে সমাসীনে শুভাননে। ল, ভা স্ক, বঃ ২৮ ॥ শ্রী-শক্তি ভূ শক্তি অমসুং লীলা শক্তিন মখল-মখা অযাম্ব ভাবন শ্রীনারায়ণগী সেবা তৌই।

২৫ শ্রীকৃষ্ণনা পরব্যোমদা নারায়ণ ওইহুনা খুদম মরি পান্দুনা শক্তোন অমা পুথোক্লুনা ফোংদোক্লুবা মরম করিগানে হাঙ্গিবহু দর্চাবি। পরব্যোম লীলা অসি মপানগী লীলা অমা, মরম অবা মনুংগী লীলা। অমুম্না অনিথোকপা ওইবা মরম্না ঐশ্বর্য্যাত্মিক লীলা রস চুপ্পনি, শ্রীনারায়ণন্তি রসবী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী মশক অমা ওইবা মরম্না, লীলারস চুপ্পনা মাগী মরুওইবা বন্ধ ওই। মপানগী থৌরং।—জীবগী মফমদা চানবিহুন সালোক্যনচিংবা মুক্তি পীবিহুন জীববু লানবি "লোক নিস্তারিবা এই ঈশ্বর—স্বভাব। ৩।২।৫॥" মরম অহুনা শ্রীনারায়ণ ওইনসু জীববু লানবিবা উবা যংঙী।

২৬। শ্রীনারায়ণনা জীববু চানবিহুনা করি করি থবক তৌবগে হাঙ্গিবহু হাঙ্গজবি সালোক্য—ভক্ত অহুনা নীংজবিবা লাই অহুগা লোইননা মফম অমতদা লৈমিন্নবা। সামীপ্য—ভক্ত অহুন নীংজরিবা লাই অহুগী মনাক্তা লৈবা ফংবা। সার্ষ্টি—নীংজরিনা লাই অহুগা মান্নন ঐশ্বর্য্য লেবা। সারূপ্য নীংজরিবা লাই অহুগা শক মান্নবা ফংবা। থোইদোকপা নবমদি ১ ঙ ৬ কী পয়ারদা য়েংউ।

ব্রহ্ম-সাযুজ্যমুক্তের তাঁহা নাহি গতি।
বৈকুণ্ঠ-বাহিরে তা সভার হয় স্থিতি॥ ২৭

অর্থ :—

ব্রহ্ম-সাযুজ্য মুক্তিনা মাপ্ত ফংবা ওমদে।
মখোঙ্গীদ বৈকুণ্ঠগী মপান্দা লৈ মনুং চংদে। ২৭

গৌর-কৃপা-টীকা

জীববু লানবি মাযাগী লাংদগী জীববু লাপ্তোকপি। জীবগী পোকপা-শিবনচিংবা সংসারগী অপ্রাবা অসিদগী থোকথোকপী

কনা কনাগুম্বনা ভগবানগী মূর্ত্তি মশকপু যাতুনা (থাজতুনা) সালোক্যনচিংবা মুক্তিবু পামজনা নিজৈ, শ্রীনারাযণস্ম কৃপা তৌবিত্নুনা মখোঙ্গনা প মজরিবা অত্নুগী নতুংইন্না মুক্তি পীবিত্নুনা পবব্যোমদা থম্মী। মতুগী পযর ১ ৫। ৩১ গী টীকাদা য়েংবিযু।

২৭। তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বা মঁশি অতুনা ব্রহ্মগী মশক অমা লৈ হাঙ্গনা থাজবগী মতুংতা ব্রহ্মদি মশক লৈতবা পরতত্ত্ব (আথাইবা তত্ত্ব নি হাঙ্গনা মপুক্লিংদা নীংতুনা মশক নাইদবা পোং অদুদা সাযুজ্য মুক্তি পামতুনা নাংজবদা সিদ্ধ ফংবা মতমদস্ম মখোয অতুদি ম ণবু থাজবা মফম পবব্যোমদ চদবে, মবএদি ম থাঙ্গনা নীংজবিব মশক লৈতবা মূর্ত্তি পান্দবা পোং অতুগী লৈফম ধাম অতু বেএদা ।ে ও। বৈকুণ্ঠদ . . পানবাগী নমনি, মর্ত্তি পানবা (লৈবা) মশক্কী শামাদ বৈকুণ্ঠন। মরম অতুন লাইদি মশক লৈবা হৌনদে হাঙ্গনা নীংলিবা মাঁ-শিং অ ব শ্রীনারাযন্না মথাঙ্গন পামজবিব সাযুজ্য মুক্তি অতু পী ববগা বকুণ্ঠদা প্পুসিল্লাক্ত। বৈকুণ্ঠগী নপান্দা কংফম থোব ন ম ানদা লে

ব্রহ্ম-সাযুজ্য মুক্তিনা মপাব শাইবা ন দা ।ওনজগা হাঙন নাংজতুন সিদ্ধ ফংলব মখোঙ্গনা। মপান্দা ল মনুংচংদে—সালোক্যনচিংবা মুক্ত বএলবা মাশিংগ লৈফম (বৈকুণ্ঠ) দা চংদে হৌজিক বৈকুণ্ঠ হাঙ্গবগা পবব্যাম খঙনববা, পবব্যোম, কবিগুম্ব। মফম মচেং অমবু খঙনববা হাঙ্গবতু নরব॥ মতাং অমা ওই। লঘুভাগবতামৃত ধৃ (৫/২৫৭) পদ্মপুরাণ্তা হাঙ্গবি—"প্রধান-পবব্যোম্নোবন্তবে বিবজা নদী॥ প্রধান অমসুং পরব্যোমগী মযাইদা বিরজা তুরেন লে। পদ্ম পু. উত্তর খণ্ড। ২৫৫॥" প্রধান—প্রাইহে অসিনা মফম অসিদা প্রাকৃত (অচম্বা) খ ।ও খঙনৈ। কারণার্ণবগী অতোপ্পা মমিং অমদি বিরজা তুরেন কৌই মসি ওইববদি কবি খঙনববগে হাঙ্গবদা, পববোমগী মপান থংবা ওমথৈদি বিরজা তুরেন্নি হাঙ্গবদি কারণার্ণবনি। মতুংগী পযার ২৮—৩১ দা হাঙ্গবি,

বৈকুণ্ঠ-বাহিরে এক জ্যোতির্ম্ময় মণ্ডল।
কৃষ্ণের অঙ্গের প্রভা—পরম উজ্জ্বল ॥ ২৮
সিদ্ধলোক নাম তার—প্রকৃতির পার।
চিৎস্বরূপ, তাহা নাহি চিচ্ছক্তিবিকার ॥ ২৯

অর্থ :—

মঙানগী মশক অমা লৈ মপান্দা বৈকুণ্ঠগী।
কৃষ্ণগী মঙাম্নি য়াম্না লংঙী, শ্রীকৃষ্ণগী ॥ ২৮
মাহু সিদ্ধগী লম কৌই মায়াগী রাংমনি।
মাহু চিচ্ছক্তিনা ওনবা নত্তে, চিৎস্বরূপনি ॥ ২৯

গৌর-কৃপা-টীকা

বৈকুণ্ঠগী মপান্দা (মনু চন্দবা) সিদ্ধ লোক কৌবা মঙানগী মশক ওইবা মশক নাইদবা (নির্বিশেষ ঐলতবা) মফম অমা লৈ, সায়ুজ্য-মুক্তিশিংনা মফম অদুদ সযুজ্য মুক্তি যংঙী।

অদুগা মতুংগী পয়ার ৫৩ দা হাঙ্গৈবি—"বৈকুণ্ঠগী মপান্দা মঙানগী ধাম অদু লৈ। কারণার্ণব কৌবনা মাদুগী মপান্দা লৈ।" হাঙ্গবদি মঙানগী মশক ওইবা সিদ্ধলোক অসিগী মাইকৈ অমগী ওম খদি বৈকুণ্ঠনি অতোপ্পা মাইকৈ অমগী ওমখৈনা মপানগী ওমখৈনা) কারণার্ণব অমদি বিরজানি, অদুগ পরব্যোমগী মপানথংবা ওমখৈসু বিরজানি। মরম অসিনা বৈকুণ্ঠ অমসুং মঙানগী মশক ওইবা সিদ্ধলোক অসি পরব্যোমগী মপুং চনর তার—অহানবদা বৈকুণ্ঠ, মদুগী তুংদ সিদ্ধলোক মাদুগা তুংদা বিরজানি মথক্কী পয়ার ১২ দা অমসুং ২।২১ ২ পয়ারদা নুংশিবা ভগবৎকা লোশক পুন্নমক্কী ধাম্সু বৈকুণ্ঠ কোই। মুক্তি নাইবা মশক্কী ধাম অদুসু মশক নাইফম থোকই। মরমদি, চিচ্ছক্তিনা চেন্দুনা মশক অদু শাইবিরবনি অমসুং চিচ্ছক্তিনা চেন্দুনা মফম অদুসু মশক নাইবিরবনি। মরম অসিন বৈকুণ্ঠ হাঙ্গৈবা অসি মশক নাইবা পোংনি হাঙ্গৈনা নাংঙী। মরম অদুনা এবাইনা নীংঙী পরব্যোমগী মফম অসি মশক নাইবনা অমসু মশক নাইবা ভগবৎগী ধাম পুন্নমক্না লৈবিবা মফম পুন্নমক অদু মতাং অসিদা বৈকুণ্ঠ কৌই হাঙ্গৈনা নীংনফম থোকই। অদুগা পরব্যোম ॥ শরুক্তা মশক নাইদব। মফম হাঙবদি মশক নাইব বৈকুণ্ঠগী মপান্দা বিরজা ভুবনগী তোপ্পান্দা লৈবিব চতুর্ভুজগী পয়ারদা মঙানগী মশক ওইব সিদ্ধ লোক্তু হাঙ্গৈনা খঙনরে। ১।৫।৪৩—৪৪ টীকাদ যেংবিযু।

মথোঙ্গদি—ব্রহ্ম-সায়ুজ্য মুক্তি পামদুনা লাই নীংজরিব মথোঙ্গ অদুদি।

২৮—২৯। মপান্দা বৈকুণ্ঠগী—পরব্যোমগী মশক নাইবিবা (মুক্তি লৱিবা) শরুক অদুগী মপান্দা, বৈকুণ্ঠ অমসু বিরজ ভুবনগী মারক। (মথক্কী পয়ারগী টীকাদা যেংবিযু)।

গৌর-কৃপা-টীকা

মণ্ডানগী মশক—বৈকুণ্ঠবু খুজিগী মওংদোনা কোঙ্গসিঙ্গনা লৈবা মণ্ডানগী মশক, মণ্ডানগী মশক মফম অসিদা মণ্ডান নত্তনা অতোপ্পা কন্নিগুম্বা অমতা লেতে (মতুগী ১।৫।৬ শ্লোক্তা য়েংবিযু)। হকচাংগী মণ্ডান্নি শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীকৃষ্ণগী মণ্ডান্নি।১।২।৮ পযারগী টীকাদা য়েংলিযু) মাহ্নু সিদ্ধগী লম কৌই—অকোঙ্গবা মণ্ডাল অহুবু সিদ্ধগী লম কৌই। মায়াগী থাংমনি—অপ্রাকৃতনি, চিন্ময়নি। চিৎস্বরূপনি—সিদ্ধগী লমস্তু চিংকী (ভূংনগী, খণ্ডবা উম্বগী) মশক্তি, চিন্ময়নি, অচম্বা পোৎ শিবা নাইবা পোং নত্তে। বৈকুণ্ঠস্তু চিন্ময়নি, সিদ্ধগী লমস্তু চিন্ময়ান, মাসিদা খেন্নবিবা হাঙ্গববু বৈকুণ্ঠদা চিচ্ছক্তিনা ওনবা পোৎ লৈ, সিদ্ধগী লমদা মাহু লেতে। চিচ্ছক্তিনা ওনবা নত্তে চিচ্ছক্তিনা কবিগুম্বা পোৎ অমতা ওন্দে মাদি মওং লেতে। হ্লাদিনী সন্ধিনী সংবিৎনা তিন্দুনা চিচ্ছক্তি ফংখিবা মওং অহুবু অশেংবা সত্ত্ব হাঙ্গনা খঙনে, সন্ধিনীগী শকক্ চাং হেন্না লৈবা অশেংবা সত্ত্বগী মওং অহুন বৈকুণ্ঠনচিংবা ভগবৎকী থাম ওল্লী ১।৪।৫৬)। 'চিচ্ছক্তিনা ওনবা অহু 'অশেংবা সত্ত্ব'নি। বৈকুণ্ঠনচিংবা মফম, অশেংবা সত্ত্বনি॥ ১।৫।৩৬॥' অচম্ব (পাঃ ৩) জগৎ অসিদা লোবাক, উপ্রা, শা, উচেক, ফিদা ফমুংনচিংবা মখল মখা অযাম্বা পোৎ লৈ, মসুংশুংদুনা বৈকুণ্ঠনচিংবা মফমদস্তু পুন্নমক অহু লৈ, মাহুদা খেন্নবিবা হাঙ্গববু অচম্বা ওনংতা লোনদা পোৎ পুন্নমক অহু অচম্বা ভাওনি শিবা নাই, মাওখিবা লৈ, অহুগা ভগবৎকী মফম মফমগী পোৎ পুন্নমক্কি অপ্রাকৃতনি চিন্ময়নি নিত্যনি শিবা নাইদে, অচম্বা নত্তে, ভগবানগী মশক্তি, অবেপ্পনি)। "থবুক্তা লৈবাক্রচিংবা পুন্নমক চিন্ময়নি। ১।৫।৯৫॥ মফম অহুদা এশগা ওনকমক চিন্ময়নি। ১।৫।৩৭॥' শ্রীবৃহদ্ভাগবতামৃতগী ২।৪।২ শ্লোকা টীকাদা শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীনা ইরম্মী-বৈকুণ্ঠদা লৈবা পোৎ পন্নমক অহু "তথা, পৃষ্পং তত্ত্ব মনাসাং গ্রহীতুং ন শক্যতে ব্রহ্ম ঘনত্বাৎ।" ব্রহ্মনা কুংনা লৈবা মথন্ন মথোঙ্গগী মশক অমতা অতোপ্পা সাধারণ মীচল্লা মপুক্তিনা লৌশিনবা ঙমদে হাঙ্গদিবা থ অসিনা প্রমাণ ইরবিদি বৈকুণ্ঠনচিংবা মফমগী পোৎ পুন্নমক চিচ্ছক্তিন ওইনি (নবনি)। কৌইগুম্বস্তু সিদ্ধনী নাদদি (সিদ্ধ লোক-তদি) চিচ্ছক্তিগী মওং মশক লৈতে হাঙ্গদুনা মাহুদ কবিগুম্বা পোৎ অমতা লৈতে, লৈবাক্কী মওং-মতৌ মানবস্তু লৈতে, শুপ্নগী মণ্ডান্তা মথৈ, মাহুস্তু মশক নাইবা নত্তে— মণ্ডান্না (জোতিনা) গোলোকচিংবগী ধামগী মশক ওইবা ঙমদে। ১।২।৪৫ পযারগী টীকাদা য়েংবিযু।

সুর্য্যের মণ্ডল যৈছে বাহিরে নির্ব্বিশেষ।
ভিতরে সুর্য্যের রথ আদি সবিশেষ ॥ ৩০

অর্থ :—

নুমিৎকী অকোঙবগী মপান্দা লৈতে মশক।
মনুংদদি দোলাইনচিংবা লৈ নুমিৎকী মশক ॥ ৩০

ভক্তিরসামৃতসিন্ধৌ। ১।২।১৩৬

যদরীণাং প্রিয়াণাঞ্চ প্রাপ্যমেকমিবোদিতম্। তদব্রহ্মকৃষ্ণয়োরৈক্যাৎ কিরণার্কোপমাজুষোঃ॥ ৫

গৌর কৃপা টীকা

৩০। মশক নাইবা, (সবিশেষ) বৈকুণ্ঠগী মাইকৈ মবিদা সিদ্ধ লোক্না (সিদ্ধগী মকম্না) মঙানগী মশক ওইনা লেবা অদু, গোস্বামীনা খুদম ওইনা পযার ৩০।৩১ দা খঙহনবিরি। নুমিৎকী অকোঙবগী (সুর্য্য মণ্ডলগী) মপান্দা মশক লৈতবা, মূর্ত্তি নাইদবা (নির্ব্বিশেষ) মঙান্না কোঙসিল্লুনা লৈ, তৌইগুম্বসুং মনুংদদ (অকোঙবগী মনুংদদি) নুমিৎকী দোলাই, শগোল অসিনচিংবা মশক নাইবা পোৎশক লৈ, অদুগুমদুনা বৈকুণ্ঠগা মপান্দা মশক নাইদবা মঙান্না কোঙসিল্লুনা লৈ তৌইগুম্বসুং মনুংদদি চিন্ময়গী গুন্না মশক নাইবা (সবিশেষ) পোৎনা বৈকুণ্ঠ থন্না লৈ।

মপান্দা লৈতে মশক—নুমিৎকী মঙান্দি মশক নাইদে, মশক লৈতে, মঙান অদুনা পোৎ ওইনসু ওনবা ঙমদে। নুমিৎকী নাইবে মবিদা মশক নাইদবা মঙান্না কোঙসিল্লুনা লৈবা মরম্না নুমিৎকী অকোঙবগী মপান থংবা শরুকপু মশক লেতে (নাইদে) হায়-বিবনি, মঙাল অদুমক নুমিৎকী মপানগী কুযোম্নি, মপান্থংবা শরুক্কি মনুংদদি নুমিৎকী অকোইবা অদুগা মনুংদদি। নুমিৎকী নুমিৎকী অকোঙবা অদুগা মপু পাও ওইরিবাদি নুমিৎনি, অদুম ওইবা মহাক্কী। দোলাইনচিংবা—দোলাই শগোল অসিনচিংবা। নুমিৎকী অকোঙবগী (সুর্য্যমণ্ডলগী) মপু ওইবা লাইদি নুমিৎনি মহাক্কী মশক লৈ, মহাক্কী মশক নাইবা দোলাই লৈ, দোলাই চিংনবা শগোল মশক নাইবা ময়াম অমসু লৈ। নচিংবা অসিনচিংবা) মাহে অসিনা নুমৎকী লাইগী লেবা তৌবদ চঙবা মতিক চাবা পোৎনচিংববু খঙনৈ। লে মশক -সাকাবনি, সঙুম্নি উবা ফংবা, শোম্পা ফংবা, চাবা মহাও তুংবা যাবা অমসুং মনম্নাচংবা খঙবা ঙম্বা অদুগুম্বা পোৎ পুম্নমক অদুবু মশক লৈবা, (সবিশেষ) কৌই। পযার ১।২। শুবগী টীকাদা যেংবিযু।

শ্লো।৫। অন্বয়। অরীনাং (যেরুবশিংগী—হিংচাব শংগী) প্রিয়াণাং চ (অমসুং মুংশি বশিংগী ব্রজবাসিশিংগী অমসুং বৃষ্ণিশিংগী) একং (অমতনি) ইবা (লেপ্পমক) প্রাপ্যং

গৌর-কৃপা-টীকা

(ফংফম, য়ৌফম) [ইতি] (অসুম্না) যৎ (অত্থু) উদিতম (হাঙ্গনৈ), তৎ (মাতু) কিরণার্কোপমাজুষো : (মুমিৎকী মঙানগা মুমিৎকা চাংদম্নবগুমই) ব্রহ্ম – কৃষ্ণযো (ব্রহ্ম অমসুং কৃষ্ণ) ঐক্যাৎ (অমতা ওইবনা)।

অনুবাদ। শ্রীকৃষ্ণগী য়েক্লবাশিংগা চান্নবা ভক্তশিংগা ফংফম (য়ৌফম) অমতনি হাঙ্গনবা রা অত্থু, অসুম্না হাঙ্গনবা লৈ, মাতু মুমিৎকী মঙানগা মুমিৎকা অমতনি ; কৃষ্ণগা ব্রহ্মগা (মনুংদা) অমতনি হাঙ্গবগুম্বনি। ৫

মুমিৎকী অকোঙ্গবদা লৈবিবা মঙানগী মশক অত্থু—মঙাস্তনা শেম্বনি। মপান্দা লৈবিবা মঙান অত্থুদি পাক্লিং পাবা, কুংসিন্দবা মরম্না মশক লৈত্তে মশক নাইদে, তৌই-গুম্বসুং মনুংগী মঙান অত্থুদি য়াম্না কংসিনখ্রবা মরম্না মশক নাইবে কোঙ্গবক-কোঙ্গনা উবে। মনুংদা লৈবিবা কুংসিনবগী শক্ত , মশক নাইরিবা অ কাঙ্গবা অত্থুসু মঙালগী মশক্তি , অত্থুগা মপানদা মশক নাইদ্রবা মঙান শন্দোক্লিবা অত্থুসু মঙান॥ মশক্তি ; মরম অসিনা পোচ্চং-মচাক থিনকুরবদি মুমিৎকী অকোঙ্গবা মনুং অমসুং মুমিৎকী মঙান অনি অসি মশক অমতনি লেল্লদে, কুংসিনবা-পাথাকপা নাইবদনি। মতৌ অমুগুম্না মশক নাইদবা (নির্ব্বিশেষ) ব্রহ্মগা মশক নাইনা (সবিশেষ) শ্রীকৃষ্ণগসু মশক অমতনি, খেন্নদে, মরমদি অনিমক চিদানন্দ॥ মনুংদা মুংঙা তুনতা লৈবা মশক ঙাক্তনি। শ্রীকৃষ্ণনা মুংঙাইবগী শক্ত য়াম্না কংসিল্লে, ব্রহ্মনা খরা পাথোকপনি (পাক্লিং পাবনি)। মতৌ অসুম তৌনা শ্রীকৃষ্ণবু মুমিৎকী অকোঙ্গবগী মনুংগুম্না, অত্থুগা ব্রহ্মবুন মুমিৎকা মঙান-মংশাগুম্ন চাংদম্নবে। শ্রীকৃষ্ণগী য়েক্লবা হিংচাবশিংনা শ্রীকৃষ্ণ মখুংতা মথগ্রাই লাল্লবদা, শিবদা মশক নাই-দবা ব্রহ্মদা তিল্লী সাযুজ্য ফংগদৌ (অত্থুনা সিদ্ধ লোকস্তু তমস : পারে-নচিংবা লোক য়েংবিযু), সাযুজ্য ফংবা অসিবু ব্রহ্ম ফংবা হাঙ্গবা য়াই। অত্থুগা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবা ভক্তশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ-সেবা ফংঙৌ ; মাত্থুসু কৃষ্ণ ফংবনি। ব্রহ্ম অমসুং শ্রীকৃষ্ণ অনিমক সচ্চিদানন্দ ওইনা লৈবম্না মশক অমতা ওইনা অমসুং হিংচাবশিংগী ব্রহ্ম ফংবগ ভক্তশিংনা কৃষ্ণ ফংবগা মান্নৈ হাঙ্গনা কনা কনাগুম্না হাইনৈ। ব্রহ্ম ফংবগা শ্রীকৃষ্ণ ফংবগা পোৎশক মান অসি ফংবদা সচ্চিদানন্দ॥ মশক্তি ফংলে অমসুং সচ্চিদানন্দ ওইবা মশক ফংবগী হিসাবতা হাঙ্গবগা য়েংলিবা পোৎশক অনি অসি মান্নৈ হাঙ্গনা পুক্লিংনা নীংবদি যাই। লৌইশুবা ফংফম মমদা মাম্নকরসু পোৎশক অনি অসি ফংবগা মদা লেম্নবা যাম্না নৈ। ব্রহ্মাদি মুংঙাইবগী শক্তি হাঙ্গবতনি, শক্তি পাসোকপা ওম্বা রংপা মরম্না মুংঙাইবা অত্থু ইশ্বর হাইনবা, হাইনবা ওমদে মরম অত্থুনা মাতু (মুঙাইবা) যবদা অথকপা ফংনা মুংঙাইব লৈনং,

তৈছে পরব্যোমে নানা চিচ্ছক্তিবিলাস।
নির্ব্বিশেষ জ্যোতির্বিম্ব বাহিরে প্রকাশ ॥ ৩১

অর্থ :–

অদুগুম্না পরব্যোমদা চিচ্ছক্তিগী মশক লৈ।
মপান্দনা মশক নাইদবা মঙাস্তমক লৈ ॥ ৩১

গৌর-কৃপা-টীকা

তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণগী মকমদদি মখল-মখা অয়াম্বা অঙকপনা থল্লা লৈ, অঙকপা অদুমু ফোংদোকই। অদুগা ব্রহ্মদা তিল্দুনা সাযুজ্য ফংলবা মী মহাক অদুদি, অঙকপা ফংনা মুংঙাইবা অদু মশক খঙজবা ঙমদ্রে (চাবা ঙমদ্রে); তৌইগুম্বসুং শ্রীকৃষ্ণ–সেবা ফংজরবা মী মহাক অদুদি সেবাগী গুন্না মখল-মখা অয়াম্বা অঙকপা ফংনা মুংঙাইবা ফংঙী (চাবা ঙম্মী। শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য অসি অস্মুক্কী মত্তিক খৌরাংনীংঙাইগী মশক ওইখরে, ব্রহ্মগী মুংঙাইবদা লুপ্তুনা লৈরবা আত্মারাম মুনিশিং ফাওবা, মাদু ফংনীংবনা কোইথি-থিনরিবনি অমসুং মমাংঙৈদা ভক্তি চচ্চরম্লবদি (পাম্লরবদি) ব্রহ্মদা তিনবা ফংলবা মুক্ত ওইবা নীপাশিংসু ভক্তি অদুগী কৃপানা মনীংতম্বা হকচাং অমা ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণব ভজন তৌদুনা (নীংদুনা) লৈ—শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্য চুপ্নীংবগী খৌরাংবা অদু ব্রহ্মানন্দসু মখোইগী থম্মোই অদু খাম্বা ঙমদে। "আত্মারামাশ্চ মুনয়ো নির্গ্রন্থা অপ্যুরুক্রমে। কুর্ব্বন্ত্যহৈতুকীং ভক্তিমিত্থম্ভূতগুণো হরি ॥ শ্রীভা; ১।৭।১০॥" ব্রহ্মগী মুংঙাইবদা লুপ্তুনা লৈরবা আত্মারাম মুনিশিংসু শ্রীকৃষ্ণদা মহয় নিদবা (অহৈতুকী) ভক্তি তৌই, হায়বদু শ্লোক অসিনা প্রমাণ্নি। "মুক্তা অপি লীলয়া বিগ্রহং কৃত্বা ভগবন্তং ভজন্তে ॥ নৃসিংহতাপনী ২।৫।১৬ শঙ্করভাষ্য॥" ব্রহ্ম ফংলবা নীপাশিংসু শ্রীকৃষ্ণ ভজন তৌই (নীংঙী) হায়বদুগী প্রমাণ্নি।

মুম্নিংকী মঙানগা (মুংশাগা) মশক নাইদবা (নির্ব্বিশেষ) ব্রহ্মগা অমসুং মুম্নিংকী অকোঙবগী মনুংগা মশক নাইবা শ্রীকৃষ্ণগা চাংতম্নবদা মুংশানা (ব্রহ্মনা) মশক নাইদে অমসুং মুম্নিংনা মশক নাইবা পোংনি হায়বদু প্রমাণ ওইরে; মতৌ অসুম্না শ্লোক অসি মথক্কী পয়ারগীদমক প্রমাণ পীরিবনি।

মুম্নিংকা মুংশাগা মরী লৈনবগুম্না, শ্রীকৃষ্ণগা ব্রহ্মগা মরী লৈনৈ; মরম অসিনা ব্রহ্ম অসি শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগী মঙান্নি—হায়বা অদু শ্লোক অসিদা ফোংদোক্লে। মরম অদুনা শ্লোক অসিনা মথক্কী পয়ার ২৮ গী "হকচাংগী মঙান্নি শ্রীকৃষ্ণগী" হায়বা ৱাহৈ অদুসু প্রমাণ ওইরে।

৩১। অদুগুম্না—মুম্নিংনা মশক নাইবা, মুংশানা মশক নাইদবগুম্না মথক্কী পয়ারগা পয়ার অসিগা অর্থ অমন্তনি। পরব্যোম—মফম অসিদা পরব্যোম—ৱাহৈ অসিনা মথক্কী

নির্বিশেষ ব্রহ্ম সেই কেবল জ্যোতির্ম্ময়।
সাযুজ্যের অধিকারী তাহাঁ পায় লয়।। ৩২

অর্থ :—

মশক নাইদবা ব্রহ্ম হাঙিবসি মঙানমক্কি।
সাযুজ্য ফংলবশিংনা মতুদা তিল্লিবনি॥ ৩২

গৌর-কৃপা-টীকা

পয়াব ২৭/২৮ দা হাঙিবিবা বৈকুণ্ঠবু খণ্ডনৈ। চিচ্ছক্তিগী মশক লৈ—চিচ্ছক্তিনা মথল-মথা অযাম্বা মশক মূর্ত্তি ওন্দুনা লৈ, বৈকুণ্ঠদা চিচ্ছক্তিগী ঈশিং, লৈবাক, উ-উরী, শা, উচেক, তীল, কৌজেং, ফমুং, ফিদা, লৈতেং অসিনচিংবা মথল-মথা অযাম্বা পোৎ ওন্দুনা লৈ। মতৌ অম্মা চিচ্ছক্তিনা ওনবা বৈকুণ্ঠ অসি মশক লৈবা (মূর্ত্তিলৈবা) মফম অমনি। (পয়ার ১।৫।২৯ টীকাদা য়েংবিযু)। মশক নাইদবা মঙান্তমক লৈ মশক নাইবা বৈকুণ্ঠগী মপান্দদি মঙান্তমক (সিদ্ধলোক) লৈ, মহু নিরাকারনি (মশক নাইদবনি)।

৩২। বেকুণ্ঠগী মপান্দা মশক নাইদবা মঙান্তমক লৈবা মফম অহু ব্রহ্মনি, মহুদা অতৈ কন্নি অমতা লৈতে। সাযুজ্য-মুক্তি ফংবদা মতিক চারবা মথোঙৈনা নিবাকার ব্রহ্মদা তিল্লী। মহুদা তিল্লিবনি—ব্রহ্মদা চঙহুনা ব্রহ্মগা অমতা ওইবিবনি (১।৩।১৬ পযারগী টীকাদা যেংবিযু)।

অসুম হাঙৈনা হংবিবা য়াই, ব্রহ্মদা তিনবা পাম্বা (সাযুজ্য কামা) সাধকপু (লাহ-নীংবা মীবু) সাযুজ্য মুক্তি কনানা পীবা ঙম্বগে? সিদ্ধলোকী মশক নাইদবা এক্মনা মাহু পীবা ঙমদে, মরমদি, মহাক্তি শক্তি লৈতে, মুক্তি পীননবগী শক্তি মাঙোন্দা শাৎকাইদে। থোইদোকপা মরমদি, অহানবদা মায়াগী খায়াৎতগী বোক্নবা হোৎনফম থোকই, অহুগী মতুংদা মুক্তি ফংফম থোকই। জীব-না মশা মরনাইগী শক্তিনা সংসারগী অরাবগী মশক ওইরবা মায়াগী খায়াৎতগী লাম্থোকপা ঙমজদে। শ্রীকৃষ্ণদা চঙজরগা ইবুংঙো মহাক্রা কৃপা তৌবিবগা জীব-না মায়াগী খায়াৎতগী বোকপা ঙম্মী। “দৈবীহ্যেষা গুণময়ী মম মায়া দুরত্যয়া। মামেব যে প্রপদ্যন্তে মায়ামেতাং তরন্তিতে। শ্রীগী, ৭।১৪।” মাযা হাঙৈবা অসি ঈশ্বরগী শক্তিনি, ঈশ্বর নত্তনা অতোপ্পা কনা অমত্তনা মহাকপু (মায়াবু) জয তৌবা (লাম্থোকপা, মাইথীবা পীবা) ঙমদে। মশক নাইবা শক্তি লৈবা ভগবৎকী মশক অমদা চংজবা নত্তনা অতোপ্পা মশক নাইদবা ব্রহ্মদা চঙজকবনদি মায়াবু লাম্থোকপা ঙমদে, মায়াবু লাম্থোক্নবগী শক্তি অহু ব্রহ্মদস্মু লৈতে। মবম অহুনা।মশ-সাযুজ্য (ব্রহ্মদা তিনবা) ফংবা ঙাবরস্মু মশক নাইদবা ব্রহ্ম নীংবশিংনা অহানবদা মশক নাইবা

তথাহি ভক্তিরসামৃতসিন্ধৌ (১ । ২ । ১৩৮) ব্রহ্মাণ্ড পুরাণ বচনম্—

সিদ্ধলোকস্তু তমসঃ পারে যত্র বসন্তি হি ।
সিদ্ধা ব্রহ্মসুখে মগ্না দৈত্যাশ্চ হরিনা হতা॥ ৬

গৌর-কৃপা-টীকা

কনাগুম্বা ভগবান অমবু হান্না নীংখিগদবা ওই অমসুং নহাক্না কৃপ। তৌবিরগা মায়াদগী কোক্তুনা সাধক অদুবু (ভক্ত অদুবু), মশক নাইদবা ব্রহ্মদা তিলহল্লী—। মরম অদুন শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতদা হাঙ্গিরি—“কেবল জ্ঞান মুক্তি দিতে নারে ভক্তি বিনে । ২ । ২২ । ১৮। ভক্তি নত্তনা জ্ঞানতনা মুক্তি পীবা ঙমদে। কনাগুম্বনা ভক্তিগা লোঙ্গননা মশক নাইদ শক্তিলৈবা মশকপু নীংদদুনা জ্ঞান-মার্গনা মশক নাইদবা ব্রহ্মবু ধ্যান্নচিংবা তৌরুববদি মখোঙ্গনা হোৎনজরিবা অদু শ্রীমদ ভাগবতকী মতুংইন্না হাঙ্গিরবদি অরেম্বনি, ঙাননবগী মশক্তি। “শ্রেয়ঃ সৃতিং ভক্তিমুদস্য তে বিভো ক্লিশ্যন্তি যে কেবল বোধলব্ধয়ে। তেষামসৌ ক্লেশল এব শিষ্যতে নান্যদ যথা স্থূলতুষাবঘাতিনাম ॥ শ্রীভ, ১০ । ১৪ । ৪॥” মশক নাইদ ভগবানগী সচ্চিদানন্দ ওইবা অদু থাজদনা ভক্তিগা লোঙ্গনদা ইবুংঙো মাবু নীংবগ মহাক্না সাযুজ্য পাম্নিবা মী অদুগা মনিং থুংহন্দুনা সাযুজ্য মুক্তি পীবি। সাযুজ্য মুক্তি পাম্বনা সাযুজ্য ফংলিবা মফম অদু সিদ্ধলোক হাঙ্গনা খঙনৈ, অদুম ওইবা সিদ্ধলোক অদু পরব্যোমগী মনুংচনবনি (১ । ৫ । ৭ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু), অদুগা পরব্যোমগ মপুদি শ্রীনারায়ণনি, মরম অসিনা ইবুংঙো মগাক্না সিদ্ধলোকতগী মপুনি। মথক্কী পয়ার ১ । ২ । ১৮ দা পনজখ্রবে, মশক নাইদবা ব্রহ্মদা তিননা লাম্না জ্ঞান-মার্গ চৎপাশিংন পরব্যোমগী মপুগী নারায়ণবু মশক নাইদবা ব্রহ্ম হৈনা নীংঙৌ, শ্রীনারায়ণ নত্তনা অ কনানা মখোঙ্গগী অথবাগা গা ওহনগদগে । মবন অদুদা সিদ্ধলোকতা সাযুজ্য মুক্তি পীবগ পাঙ্গনসু পরব্যোমগী মপু শ্রীনারায়ণনি। অদুনা শ্রীনারায়ণন মুক্তি মখল মঙা পীবিবা ঙম্মি, সালোক্যনচিংবা মুক্তি মখল মরি পীদুন মশক নাইবা নারবা ভক্তবু মশক নাইবা মফম বৈকুণ্ঠদা থম্বি, অদুগ সাযুজ্য মুক্তি পীদুনা জ্ঞান-মার্গ চৎপা সাধকপুম্বু সিদ্ধলোকতা থম্বি

শ্লো। ৬। অন্বয়। তমসঃ (মায়াগী) পারে (মপান্দা, রাংমদা) তু সিদ্ধলোক (সিদ্ধলোক), যত্র (সিদ্ধলোক অদুদা) সিদ্ধাঃ (মশক নাইদবা ব্রহ্ম নীংবদা সিদ্ধ ওইরবা মী-শিংনা) চ (অমসুং) হরিনা (শ্রীকৃষ্ণনা) হতাঃ (হাৎতোক্লবা, লানবিরব দৈত্যাঃ (হিংচাবাশিংনা) ব্রহ্মসুখে (ব্রহ্মানন্দ মুংঙাইবদা) মগ্নাঃ (লুপ্তুনা) হি (লেপ্লমক) বসন্তি (লৈ)।

গৌর কৃপা-টীকা

অনুবাদ। মায়াগী রাংমদা সিদ্ধলোক লৈ, অদুম ওইবা সিদ্ধলোক অদুদা, মশক নাইদবা ব্রহ্ম নীংবদা সিদ্ধ ওইরবা মী-শিংনা অমসুং শ্রীহরিগী মথুৎতা মথরাই থারবা হিংচাবাশিংনা ব্রহ্মগী মুংভাইবদা (মশক খণ্ডবা তত্ত্বগী মুংভাইবদা) লুপ্তুনা লৈ। ৬।

তমসঃ পারে—প্রকৃতিগী, মায়াগী রাংমদা। সিদ্ধলোক অসি মায়াগী রাংমদা লৈবা চিন্ময় ওইবা পোৎনি, অস্ম হাঙ্গৈনা খঙনৈ। শ্লোক অসিদা হাঙ্গৈরি, "সিদ্ধলোকস্ত তমসঃ পারে"—সিদ্ধলোক্তি মায়াগী রাংমদা লৈবনি (মপান্দা লৈবনি)। মাসিদগী কনাগুম্বনা পুক্লিংনা নীংবা যাই, মায়াগী নীপানগুবা কুযোমগী মতুংদা সিদ্ধলোক লৈবনি। অদুগা মতুংগী পযার ১। ৫। ৭৩ দা হাঙ্গৈরিবনা,—"বৈকুণ্ঠগী মপান্দা মণ্ডানগী ধাম অদু লৈ। কার—ণার্ণবা কৌবনা মাদুগী মপান্দা লৈ॥" পযার আসগী 'মণ্ডানগী ধাম' গী অর্থদি সিদ্ধলোকপু খঙনৈ। সিদ্ধলোকী মপান্দা কারণার্ণব লে বা অসিবু হাঙ্গৈরি। পয়ার অসিদগী খঙবা ভক্লিবদি—কারণার্ণবা অসি সিদ্ধলোকী মপানগী ভমখেনি, তৌইগুম্বসুং মথকী শ্লোকগী ভাব লৌরিবদি—প্রকৃতি=তমঃ=মায়াগী নিপানগুবা কুযোম অদুমক সিদ্ধলোকী মপানগী ভমখৈনি। মাসিদা কনাগুম্বনা নীংবা য়াই—মায়াগী নিপানগুবা কুয়েম অদুমক কারণার্ণবনি (বিরজানি)। তৌইগুম্বসু' মাদু শাস্ত্রগী সিদ্ধান্ত নত্তে (অচুম্বা নত্তে)। লঘু ভাগবতামৃতধৃত পদ্মপুরাণগী ব'হৈদগী খঙবা ভর্মী—"প্রধান পরমব্যোম্নোরন্তরে বিরজানদী। (প, পু, উ, ২৫৫)॥ প্রধান (প্রকৃতি হাঙ্গৈবদি মায়াগা ব্রহ্মাণ্ড-মায়াগী ব্রহ্মাণ্ডগী অবোইবা ভমখে মায়াগী নিপানগুবা কুযোম গু অদুম চেনবা মায়া (ত্রিগুণাত্মিকাপ্রকৃতি) গা পর ব্যোমগা অনীনী মরক্তা (মযাইদা) বিরজা তুরেণ (কারণার্ণবা) লৈ)।' প্রমাণ অসিনা খঙনরিবনা মায়াগী নিপানগুবা কুযোমগী মতুংদা কারণার্ণব লৈবনি। মরম অসিনা মায়াগী নিপানগুব কুযোমগা কারনা বা (বিরজা) গা অমতা ওইবা নাত্তু, খেন্নদবা নত্তে। অমতা ওইবস্থ য়াদে। প্রকৃতিগী গুণ অদুম অদুদি মায়ানি। কারণার্ণব (বিরজা)—চিন্ময়গী ঈশিং অদুনা অথোইবা মপু ওই। মাদুগী মরিক অমনা লানবি-হৈবী গঙ্গা ওই॥ ১। ৫। ৪৬॥' মশক অমি অসিদি খেন্নৈ তোঙান-তোঙানবনি। শ্রীমদভাগবতগী খঙনী ভাই লে, দ্বিজগী মচাশিংবু (বামণ মচাশিংবু) পুবরুবগী মক শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনগা লোয়ননদুনা দ্বারকাদগী দিব্যরথ (দোলাই) তোংদুনা মহাকালপুরগী মাইকৈবোমদা যাত্রা তৌরকপা মতম অদুদা মহাক্লা দ্বীপ তবেৎ, সমুদ্র তবেৎ, চীংতরেৎ লোকালোক চীংনচিংবা লাম্হোক্তুনা যান্না শুক্লা মমখুবা এক্ষম অমদা চংলক্লে (বিবেশ সুমহত্তম :—শ্রীভাঃ ১০। ৮৯। ৪৭), ইবুংভো মহাক্লা অমম্বা অদুবু চক্রনা হোগাইদুনা চংসিলক্লে। অদুম ওইবা অমম্বা অদুবু শ্রীপাদ

গৌর-কৃপা-টীকা

সনাতনগোস্বামী অমসুং শ্রীপাদ বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীনা মায়াগী (প্রকৃতিগী) তরেৎশুবা কুযোম্নি হাঙনা শীংথাবম্মী (চক্রেনৈব সপ্তাবরণ ভেদো জ্ঞেয়ঃ—চক্রবর্ত্তী। চক্রানু পথেনৈব দ্বারেণ সপ্তাবরণ ভেদেন—শ্রীপাদ সনাতন)। মতম অহুদা অমম্বা অহু লাম্হোক্লবগী মতুংদা অমম্বা অহুদগী যাম্না লাপ্নগা মপান নাইদবা মঙান্তনা শীস্থ্ংনা লৈখ্রবা অরংবা মঙান অমা উবদা অর্জ্জুনগী মমিং অহু পাঙবা ভমদরে চাকথেক্কদৌগুম তৌরে। "দ্বারেণ চক্রানুপথেন তত্তমঃ পরং পরং জ্যোতিরনন্তপারম। সমশনুবানং প্রশমীক্ষ্য ফাল্গুন প্রতাডিতা ক্ষোহপি দধেহক্ষিণী উভে॥ শ্রীভা, ১০।৮৯।৫১॥ শ্লোক অসিগী টীকাদা চক্রবর্ত্তিপাদনা ইরম্মা—তদনন্তরং (শুক্রা মমথ্রবা মফম অহু লাম্হোক্লবগী মতুংদা) গচ্ছন ফালগুনঃ তমপরং তমসঃ প্রকৃতেঃ পরং প্রকৃত্যাবরণাৎ অষ্টমাৎ পরমিতার্থঃ। পরং শ্রেষ্ঠং চিন্ময়ং জ্যোতিঃ শমশনুবানমতিব্যাপকং বীক্ষ্য ইত্যাদি। রামচংদি—মাযাগী (প্রকৃতিগী) নীপানশুবা কুযোমগী মতুংদা চিন্ময় ওইবা মঙান্তনা শীস্থ্ংনা লৈখ্রবা মফম অমা উবে। মাসিগী মরমদা শ্রীহবিবংশগী প্রমাণগা নৈনবগা চক্রবর্ত্তীনা উহনবিরম্মী—শীস্থ্ংনা লৈরিবা মঙানগী মবমদা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হাঙবম্মী—"ব্রহ্ম তেজোময়ংদিব্যং মহৎ যদ্দৃষ্টবানসি। অহং স ভরত শ্রেষ্ঠ মত্তেজস্তৎ সনাতনম। প্রকৃতিঃ সা মম পরা ব্যক্তাব্যক্তা সনাতনী। তাং প্রবিশ্য ভবন্তিহ মুক্তা যোগবিদুত্তমাঃ॥ টীকাদা চক্রবর্ত্তীনা ইবিরম্মী—অত্র মত্তেজ ইতি তদ্ব্রহ্ম মত্তেজোহপি অহং স ইতি সোহহমেব তদ্ব্রহ্মতেজস্তেজস্বিনোরভেদাৎ প্রকৃতিঃ সা মম পরেতি তচ্চিন্ময়ং ব্রহ্ম মমেব স্বরূপ শক্তি পরেত মাযা ভীতা ব্যক্তা চিন্ময়নেত্রগ্রাহ্যা অন্যথা অব্যক্তেত্যর্থ।—অর্জ্জুননা উথিবা মঙান অহু মাযাগী রা নদা লৈবনি, ব্রহ্মগী মঙান্নি, শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ শক্তিনি। মাহুগা মতুংদা কৃষ্ণার্জ্জুন অনিনা চাউথ্রবা ঈশিংগী ঈপাক ইথক বা না-র না কাহনা লেবা অমদা চ সিনথরে, চো সিনথবে। ততঃ প্রবিষ্ট সলিল নভস্বতা বলীয়সৈজদবৃহদূর্ম্মিভূষণম। শ্রীভা ১০।৮৯।৫২॥ শ্লোক অসিগী সলিল—রাহৈগী অর্থ তৌবদা শ্রীপাদ সনাতননা ইবিরম্মী—ততস্তত্রৈব বর্ত্তমানং সলিলম অপ্রাকৃতং তত্তেজোজনিত জলতত্ত্বর্গবৎ সর্বত স্থিতম ইত্যাদি। অহুম ওইবা স্বরূপ শক্তিগী মশক ওইবা ব্রহ্মগী মঙাল অহুগী মনুংদ তরংবা অপ্রাকৃত (চমদ্রব মাযাচ দ্রবা) গী ঈশিং লৈ অসিনচি বা। রাঙা অসিদগা থঙবা ভম্মী, মঙান অহু উরুরগা অর্জ্জুনগী মমিং অহু অরংবা অহুনা যৈসিল্লক্তুনা পাঙবা ভমদে মাহু চিন্ময় ওইবা ঈশিংগী মঙান্নি (মায়া নত্তবা ভগবংকী মরমদা থন্দুনা লৈবা রাখন পরেংগী মনুংদা ফাওবা ঈশিংগী মঙান্নি)। ঈশিং অহু করম্বা পোংশকো হ ঈবত, শ্রীপাদ চক্রবর্ত্তীনা তাশং তশেংনা হাঙবিরম্মী—সলিলমিতি

গৌর-কৃপা-টীকা

কারণার্ণবোদকম - ঈশিং অদু কারণার্ণবগী ঈশিংনি (বিরজাগী ঈশিংনি)। মহাক্না হাঈরিবসিগী মতুংইন্না মহাক্না মৃত্যুঞ্জয়তন্ত্রদগী প্রমাণশু পীবি—ব্রহ্মাণ্ডস্যোর্দ্ধতো দেবি ব্রহ্মণঃ সদনং মহৎ। তদূর্দ্ধং দেবি বিষ্ণুণাং তদূর্দ্ধং রুদ্ররূপিণাম ।। তদূর্দ্ধং মহাবিষ্ণোর্ম্ম হাদেব্যাস্তদূর্দ্ধগম। পারে পুরী মহাদেব্যাঃ কালঃ সর্ব্বভয়াবহঃ ।। ততঃ শ্রীব্রহ্ম পীযূষবারিধির্নিত্যনূতনঃ। তস্য তীরে মহাকালঃ সর্ব্বগ্রাহকরূপ ধৃক্। মাসিগী টীকাদা মহাক্না ইবিরম্মী—অত্র ব্রহ্মণঃ সদণং সত্যলোকঃ বিষ্ণুণাং বৈকুণ্ঠ সুতানাং বৈকুণ্ঠঃ রুদ্ররূপিণামিত্যহঙ্কারাবরণস্থো রুদ্রলোকঃ মহাবিষ্ণোবিতি মহত্তত্ত্বাবরণস্থো মহাবিষ্ণুলোকঃ মহাদেব্যা ইতি প্রকৃত্যা—বরণস্থো মহাদেবীলোকঃ ব্রহ্মপীযূষবারিধিঃ কারণার্ণবঃ মহাকালঃ পরব্যোমস্থো মহাবৈকুণ্ঠনাথস্তস্যৈব কারণার্ণব জল মধ্যগতং ভবনং মহাকালপুরং কাল গুনো দদর্শেতি। টীকা অসিগী মতুংইন্না ইবিবা শ্লোক অসিগী রামচংদি অসিনি—ব্রহ্মাণ্ডগী মথক্তা সত্যলোক লৈ, মাদুগী মথক্তা (ব্রহ্মাণ্ডদা লৈবিবা) বৈকুণ্ঠ, মাদুগী মথক্তা রুদ্রলোক, মাদুগী মথক্তা মহত্তত্ত্বাবরণগা লৈরিবা মহাবিষ্ণুলোক, মাদুগী মথক্তা প্রকৃতিগী, মায়াগী নীপানগুবা কুয়োমদা লৈবা মহাদেবীলোক লৈ। মাদুগী মতুংদা ব্রহ্মপীযূষবারিধি (চিন্ময়গী ঈশিংনা থল্লবা) কারণার্ণব (বিরজা তুরেল) লৈ। কারণার্ণব ঈশিংগী মনুংদা মহাকালগী পুর লৈ—পুর (কোন্নুং) অদুদা পরব্যোমগী মপু, ইবুংঙো নারায়ণা মহাকালগী মশক ওইদুনা লৈ; বামণগী—মচাশিং (দ্বিজপুত্রশিং) পুরকরবগীদমক শ্রীকৃষ্ণ অর্জুন অনিনা মহাকাল অদুগী কোন্নুংদা চংখিরম্মী। নৈনরিবা প্রমাণ পুম্নমক অসিনা খণ্ডনবিরদি মায়াগী (প্রকৃতিগী) নিপানগুবা কুয়োমদি কারণার্ণব (বিরজা) নত্তে; নীপানগুবা কুয়োমগী মতুংদা মথক্তা চিন্ময়গী ঈশিংনা থল্লবা কারণার্ণব লৈ; মায়াদি গুণ অক্তম লৈবনি। কারণার্ণবদি গুণ অক্তমগী রাংমনি চিন্ময়না, স্বরূপশক্তিগী মওংনি হাঈ বিবনি—"কারণাব্ধিগী রাংমদা লৈ মায়াশক্তিনা। কারণ সমুদ্রদ চঙবা ঙমদে মায়ানা ॥ ১।৫।৪৯॥" মায়ানা কারণ সমুদ্রগী রাংমদা লৈবা মবন্না (মপান্দা লৈবা মবন্না) সৃষ্টিগী (লৈশেম্নগী) মমাংদা, কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা (কারণসমুদ্রদা লৈরিবা নীপানা) অবাপ্পদা মায়াদা যেংলকই। "ঈশ্বরনা অরাপ্পদা মায়াদ মিৎয়েং তারি। মায়াদা জীবগী মশক ওইবা মক পীবি ॥ ১।৫।৫৭" (মায়াগী) প্রকৃতিগী নীপানগুবা কুয়োমগী মরোন পয়ার ১।৫।৯গী টীকাদা য়েংবিয়ু)।

মক ওইবদি সিদ্ধলোক অসি মায়াগী রাংমনি হাঈবদু উহন্নীংবগীদমক শ্লোক অসিদা "সিদ্ধলোকস্তু তমসঃ পারে" হাঈরিবনি, সিদ্ধলোকা মকম অরেপ্পা অদু উহন্নাংবগীদমক নত্তে। ১।৫।২৭ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু।

সেই পরব্যোমে নারায়ণের চারিপাশে।
দ্বারকা-চতুর্ব্যূহের দ্বিতীয় প্রকাশে ॥ ৩৩
বাসুদেব সঙ্কর্ষণ প্রদ্যুম্নানিরুদ্ধ।
দ্বিতীয় চতুর্ব্যূহ এই, তুরীয় বিশুদ্ধ ॥ ৩৪

অর্থ :

পরব্যোম'দুদা নারায়ণগী মাইকৈ মরিদা।
দ্বারকা-চতুর্ব্যূহ কোংদোকই অনিশুবদা ॥ ৩৩
বাসুদেব সঙ্কর্ষণ প্রদ্যুম্নানিরুদ্ধনি।
অনিশুবা চতুর্ব্যূহনি মাযা চংদবনি ॥ ৩৪

গৌর-কৃপা-টীকা

দৈত্য – শ্রীকৃষ্ণবু অচম্বা (সাধারণ) মীনি হাঙ্গনা মপুক্লিংনা নীংবা, শ্রীকৃষ্ণবু ভগবান্নি হাঙ্গনা হাঙ্গনীংদবা অমসুং শ্রীকৃষ্ণদা উশিংতদুনা যেক্লবগী শাজং চংপা মখোঙ্গশিং অসু হিংচাবা। দৈ॰া। কৌই। "কৃষ্ণবুদ্ধি থাজদে অদুনা 'হিংচাবা' হাঙ্গ। অ॰ম্না চৈতন্য থাজদ্রবসু 'হিংচাবা' হাঙ্গ॥ ।৮।৮॥" ভগবান্দা মাঙ্গ ওন্সিন্দবা মখোঙ্গ অদুবু হিংচাবা কৌই। "দ্বৌ ভূতসর্গৌ লোকেঽস্মিন দৈব আসুর এবচ। বিষ্ণুভক্তঃ স্মৃতো দৈব আসুরস্তদ্বপর্যায়ঃ॥" শ্রীচৈ ন্যচরিতামৃত আদি অষ্টম শুবা মতাংগী শ্লোক ১৮ পাল্মবচননি॥

দৈত্যাশ্চ হরিনা হতাঃ – শ্রীকৃষ্ণগী মখুৎতা মথবাই পাবব হিংচাবাশিং। থাঙ্গ-শেংবদি স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা মশামক্লা হিংচাবা হাৎতে, হাক্লা বন্ধাণ্ডদা অবতার তৌরবা মতম অদুদা স্থিতিকর্তা শ্রীবিষ্ণুসু শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংদা মনুংচন্না অবতার তৌই অদুনা হিংচাবা হাৎপগী থবক্লচিংবদ শ্রীবিষ্ণুগী মখৌনি। (১।৪।১২) মতো অসুম্না মথবাই থারব। হিংচাবশিং অসু সাযুজ্য মুক্তি ফংজে।

মশক নাইদবা ব্রহ্ম নীংবদা। সিদ্ধ ৎইরবা মাশিংনা অমসুং শ্রীহাবনা হাৎপিরবা হিংচাবশিংনা সাযুজ্য মুক্তি ফংফম থোকই, মখোঙ্গগী মফমদি সিদ্ধলোকনি,, মথক্তী পয়ারদা হাঙ্গবিবা অদুগী প্রমাণ্ডি শ্লোক অসিনি।

৩৩/৩৪। পরব্যোম ধামগী (পয়ার ২১ ৩১ দা) শীংথাগ্রবনিনা হৌজিক পরব্যোম চতুর্ব্যূহগী শীংথাজরক্লি।

পরব্যোম'দুদা—অতুম ওইবা পরব্যোম অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা পাম্বোম ম'থ পানবা নারায়ণ ওইদুনা মহালক্ষ্মীনচিংবীশিংগা শোঙ্গননা লীলা রস চুপ্লি অমসুং জীবগী মফমদা চানবিদুনা

গৌর-কৃপা টীকা

সালোক্যনচিংবা মুক্তি মখল মবি পীবিহুনা মবাইবক ফবা জীবশিংবু পবব্যোমগী মশক নাইবা শকক বৈকুণ্ঠদা থম্বিরি অমসুং ব্রহ্ম সাযুজ্য মুক্তি ফংজবদা মতিক চারবশিংবুসু পবব্যোমগী মশক নাইদবা শকক সিদ্ধলোক্তা থম্বি (১। ৫। ২৮ অমসুং ১। ৫। ৩২ পয়ার টীকাদা যেংবিয়ু।) মশক নাইদবা ব্রহ্মদা তিলহনবিরি, পরব্যোমতুদা। নারায়ণগী— পবব্যোমগী মপু নারায়ণগী। মাইকৈ মবিদা—নোংপোক্তা, নোংচুপ্তা, মখাদা অমসুং অরাংদা (বাসুদেব, সঙ্কর্ষণ প্রদ্যুম্ন, অমসুং অনিরুদ্ধ ব্যূহ মরি অসি লৈ)। দ্বারকা-চতুর্ব্যূহ—বাসুদেব, সঙ্কর্ষণ, প্রদ্যুম্ন অমসুং অনিরুদ্ধ কৌবা দ্বারকাদা বাহ মরি লৈ।

ফোংদোকই অনিশুবদা তনিশুবদা সাইওন্নুই। কৃষ্ণলোক গোকুলদা চতুর্ব্যূহগী তোঙান-তোঙানবা বিগ্রহ (মূর্ত্তি) লেতে, দ্বারকা-মথুরাদদি চতুর্ব্যূহগী তোঙান তোঙানবা হকচাং লৈ, অতৈ অতোপ-অতোপ্পা চতুর্ব্যূহদগী দ্বারকা চতুর্ব্যূহনা শক্তি থবা হৈন্না লৈ। হাঙ্গহুনা দ্বারকা-চতুর্ব্যূহনা অহানবা চতুর্ব্যূহ অমদি অহানবা শাংকাইবা চতুর্ব্যূহ কৌই, শক্তিনচিংবা ফোংদোকপগী হিসাবতসু দ্বারকা-চতুর্ব্যূহগী মতুংদা পবব্যোম চতুর্ব্যূহনি, মবম অতুন পবব্যোম চতুর্ব্যূহবু দ্বারকা চতুর্ব্যূহগী মমিংসু বাসুদেব, সঙ্কর্ষণ, প্রদ্যুম্ন অমসুং অনিরুদ্ধ কৌই পুম্নমক অনিশুব চতুর্ব্যূহনি। দ্বারকাগী চতুর্ব্যূহগা পরব্যোমগী চতুর্ব্যূহগ মমিং মান্নববসু শক্তিনচিংবদি খেন্নবা লৈ, পবব্যোমগী চতুর্ব্যূহগা মমিং মান্নববসু শক্তিনচিংবদি খেন্নবা লৈ, পবব্যোমগী চতুর্ব্যূহবু অনিশুবা চতুর্ব্যূহনি হাঙ্গকবা অহু, মথক্কী পয়ার ২০ শুবদা দ্বারকা চতুর্ব্যূহবু (ব্যূহমবি) চতুর্ব্যূহ পুম্নমক্কী অংশী ওই হাঙনা উংখিবননি অমসুং মাহৈ অসিদা।সু পবব্যোম॥ চতুর্ব্যূহদগী দ্বারকা-চতুর্ব্যূহনা থোইদোক-হেন্দোবই হাঙ্গব খঙনৈ। দ্বারকা-চতুর্ব্যূহনা অংশীনি (পাম্বীগী মউনি), পবব্যোম চতুর্ব্যূহনা মাগী অংশনি (পাম্বীগী মউদগী খাইথোকিবা লোঙথোকখিবা মছানি)। মশক পুম্নমক মপূং ফারবসু শক্তি তৌবা-ঙম্বা ফোংদোবকপদা খেন্নবা মতুংইন্না পাম্বী-মছা (অংশাংশী) নাইবিবনি। শক্তি খরা ব্রাৎনা লৈবা মফমদা অংশ (মছা) কৌই। 'তাদৃশো ন্যূনশক্তিং যো ব্যনক্তি স্বাংশ ঈরিতঃ। ল. ভা. ক. ১৬॥" ১। ৫। ২০ পযারগী টীকাদা যেংবিয়ু।

বাসুদেব—অহানবা ব্যূহনি, মহাক্কি পবব্যোম নাথনা চৈতন্য অমসুং পুম্নমক্কী অন্তর্যামী পবমাত্মানি। "মহা-বৈকুণ্ঠনাথস্য বিলাসত্বেন বিশ্রুতঃ। পবমাত্মা বল-জ্ঞান বীর্য্যতেজোভিবন্বিতঃ॥ ল, ভা, পূ, ১৬৫॥" মহাক অসি থামোইবু জ্ঞানবু (চিত্ত-বু) লাকশিনবা লাইনি, অতুনা জ্ঞান্না মাবু নীংঙী অমসুং তাশেংবা সত্বগী লৈফম্ন। তথোপা-

তাঁহা যে রামের রূপ—মহাসঙ্কর্ষণ।
চিচ্ছক্তি—আশ্রয় তিঁহো কারণের কারণ॥ ৩৫

অর্থ:—

মহাক'সি রামগী মশক্লি—মহাসঙ্কর্ষণনি।
মহাক চিচ্ছক্তি মপুনি সৃষ্টিগী মপুনি॥ ৩৫

গৌর-কৃপা-টীকা

স্যচিত্তে তদধিদৈবতম্। তথা বিশুদ্ধসত্ত্বস্য যশ্চাধিষ্ঠানমুচ্যতে॥ ল, ভা, পূ, ১৬৬॥" শ্রীকৃষ্ণগী ইচ্ছাশক্তি, জ্ঞান শক্তি অমসুং ক্রিয়াশক্তি অহুম অসিগী মমুংদা বাসুদেবদা জ্ঞানশক্তিনা অথোইবা ওইনা লৈ। "জ্ঞানশক্তি-প্রধান বাসুদেব অধিষ্ঠাতা। ২। ২০। ২১৯॥" সঙ্কর্ষণ—অনিশুবা ব্যূহনি; মহাক বাসুদেবনা ওইবনি অমসুং জীব পুন্নমক্কী ফোংদোকফম্নি, অদুনা মাবু জীব-সু হায়বা য়াই (সমষ্টিজীব—জীব মকোক্নি) (ল, ভা, পূ, ১৬৭)। মহাকপু অহঙ্কার তত্ত্বনা নীংই (ল, ভা, পূ ১৬৮)। মাওোন্দা ক্রিয়াশক্তিনা হেন্না লৈ। "ক্রিয়াশক্তি প্রধান সঙ্কর্ষণ বলরাম। প্রাকৃতাপ্রাকৃত সৃষ্টি করেন নির্ম্মাণ॥ অহঙ্কারের অধিষ্ঠাতা কৃষ্ণের ইচ্ছায়। গোলোক বৈকুণ্ঠ সৃজে চিচ্ছক্তিদ্বারায়॥ ২। ২০। ২২১-২২॥" প্রদ্যুম্ন—অহুম শুবা ব্যূহনি; মহাক সঙ্কর্ষণনা ওইবা মশক্লি, বুদ্ধি তত্ত্বনা মাবু নীংই (ল, ভা, পূ, ১৬৯); কনা কনাগুম্বনা হায়নৈ, মহাক্তি পুক্লিংগী লাইনি (ল, ভা, পূ, ১৭১)। মহাক্না বিশ্বজগৎ শেম্বগী মকোক্নি অমসুং অমসুং মহাক্না মহাক্কী সৃষ্টিশক্তি (শেম্বগী-শক্তি) অদু কন্দর্পদা (কামদা) থমখি (ল, ভা, পূ, ১৬৯)। অনিরুদ্ধ—মরিশুবা ব্যূহনি; মহাক প্রাদ্যুম্ননা ওইবা মূর্ত্তিনি (হকচাংনি), পুক্লিংগী তত্ত্বনা মাবু নীংই (ল, ভা, পূ, ১৭০), কনা কনাগুবনা হায়নৈ, মহাক অসি অহঙ্কারগী অথোইবা লাইনি (অধিদেবতানি) (ল, ভা, পূ, ১৭১)। মায়া চংদবনি—মথক্কী মতাং অনিশুবগী শ্লোক ১০ গী টীকাদা য়েংবিয়ু।

পয়ার অনি অসিদা মতাং মঙাশুবগী মথক্কী শ্লোক অহুম শুবগী "মায়াতীতে ব্যাপি" শ্লোক্কী "শ্রীচতুর্ব্যূহমধ্যে" শরুক অসিগী অর্থ তৌজরে।

৩৫। হৌজিক পরব্যোমদা শ্রীবলরামগী মশক লৈবা অদুগী মরম হায়জবি। পরব্যোমচতুর্ব্যূহগী অনিশুবা ব্যূহ ওইরিবা সঙ্কর্ষণ অদু শ্রীবলরামগী মশক অমনি।

মহাক'সি—পরব্যোম চতুর্ব্যূহ অদুগী মমুং অদুদা মহাক অসি রামগী মশক্লি—শ্রীবলরামগী মশক্লি। মহাসঙ্কর্ষণ - অনিশুবা ব্যূহ সঙ্কর্ষণবু মফম অসিদা মহাসঙ্কর্ষণ হায়রি।

গৌর-কৃপা-টীকা

শেষ-নচিংববুস্থ সঙ্কর্ষণ হাঙ্গ (১। ৬। ৮২) ; মখোঙ্গশিংদগী অথোইবনি অমসুং মখোঙ্গী মরুনি হাঙ্গদুনা পববোামগী সঙ্কর্ষণবু মহাসঙ্কর্ষন হাঙ্গরিবনি। লঘু ভাগবতামৃতগী প্রমাণগী মতুংইন্না মথক্কী পয়ারগী টীকাদা সঙ্কর্ষণ অসিনা জীব পুম্নমকপু পুথোকই হাঙ্গখরে; হাঙ্গবদি মাঙোন্দগী জীব পুম্নমক থোরকই; মহাপ্রলয়দা মহাক্না জীব পুম্নমকপু চিংসিণুনা মহাক্কী (অতোপ্পা মশক কাবণার্ণবশায়ীগী) মমুংদা থম্মী, মরম অসিনা মহাকপু সঙ্কর্ষণ হাঙ্গরিবনি। "প্রলয়াদৌ জগৎকর্ষণাৎ সঙ্কর্ষণঃ। শ্রীভা, ১০। ২। ১৩ শ্লোক, তোষণী॥"

লঘুভাগবতামৃতগী প্রমাণগী মতুংইন্না মথক্কী পয়ারগী টীকাদা হাঙ্গখরে শ্রীনারায়ণনা সঙ্কর্ষণ ওইবনি, তৌইণুমসুং পয়ার অসিদা হাঙ্গরিবনা শ্রীবলরামগী মশক অমনা, অংশ অমনা সঙ্কর্ষণ ৪ই। শ্রীকৃষ্ণ অমসুং বলরাম খেন্নদে হাঙ্গদুনা উৎলিবা অনি অদুসু মমুংগী শকফমদদি করিসু য়েংনবা লৈতে। নারায়ণ অসি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস-মূর্ত্তিনি; সঙ্কর্ষণনা শ্রীনারায়ণগী অংশ ওইবা মরম্না শ্রীকৃষ্ণগীসু অংশ ওইবে অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী অংশ ওইবা মবম্না (শ্রীকৃষ্ণনা সাইওন্দনা ওইখিবা মরম্না) শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংগা খেন্নদবা শ্রীবলরামগীসু অংশ ওইবে। অদুম ওইনমক শ্রীবলরামগী তত্ত্ব শীংথাবদা সঙ্কর্ষণবু অতম্বনা শ্রীবলরামগী অংশ হাঙ্গবগী রা মচংদি অসুম্না ওইবা যাই:—

স্থষ্টিগী থবক্তা (শেষনচিংবগী থবক্তা) ইচ্ছাশক্তিগা জ্ঞানশক্তিগা শিজিন্নববসু মরু ওইনা শিজিন্নরিবদি ক্রিয়াশক্তিনি (থবক তোৌবগী শক্তি) (২। ২০। ২১৮—২১)। অচম্বা (প্রাকৃত) জগৎ শেম্বা অমসুং অরাবা লৈতবা চমদবা (অপ্রাকৃত) ভগবদ্ধামচিবা ফোংদোক্নিবগী মরু ওইবা শক্তিদি ক্রিয়াশক্তিগী থবক্নি। থবক অসিদা ভগবৎকী মশক পুম্নমক তশেংনা যাওই, মখোঙ্গ পুম্নমক্কী মমুংদা ক্রিয়াশক্তিনা মরুওইনা যাওই—অদুগা ক্রিয়াশক্তিনা ফোংদোকপগী মরমদা খরা মান্নদবা খেন্নবা লৈ, শ্রীবলরামদা শ্রীকৃষ্ণগী ক্রিয়াশক্তি অসি মরু ওইনা খ্বাইদগী হেক্তিন্না ফোংদোকই (২। ২০। ২২১)। শ্রীসঙ্কর্ষণনা ক্রিয়া শক্তিনা ফোংদোকপনা শ্রীবলরামদগী খরা রাৎনা ফোংদোকই, তৌইণুমসুং কারণার্ণব শায়ী-নচিংবা স্থষ্টিগী (শেম্বগী) থবক চংলিবা অতোপ-অতোপ্পা মশক্কুগীদি লেপ্পী। অদুনা মরু ওইনা ক্রিয়াশক্তিগী মরমদদি শ্রীবলরামদগী শ্রীসঙ্কর্ষণনা খরা রাৎলি হাঙ্গদুনা শ্রীসঙ্কর্ষণবু অতম্বনা শ্রীবলরামগী অংশ অমদি মশক অমনি হাঙ্গবিবনি। মাসিনা শ্রীসঙ্কর্ষণগী তত্ত্ব মরু ওইরে।

চিচ্ছক্তি—হ্লাদিনী, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎ শক্তি অদুম অসিনা পুনবা মও অদুবু চিচ্ছক্তি কৌই। পযাব অসিদা সঙ্কর্ষণবু চিচ্ছক্তিগী মপুনি হাঙ্গবি। তৌইণুমসুং চিচ্ছক্তিগী

চিচ্ছক্তিবিলাস এক 'শুদ্ধসত্ত্ব' নাম।
শুদ্ধ সত্ত্বময় যত বৈকুণ্ঠাদি ধাম ॥ ৩৬
ষড়্‌বিধ ঐশ্বর্য্য তাঁহা সকল চিন্ময়।
সঙ্কর্ষণের বিভূতি সব জানিহ নিশ্চয় ॥ ৩৭

অর্থ :—

চিচ্ছক্তিনা ওইবা অহু 'অশেংবা সত্ত্ব'নি।
বৈকুণ্ঠনচিংবা মফম, অশেংবা সত্ত্বনি ॥ ৩৬
মফম অদুদা ঐশ্বর্য্য তরুক্মক চিন্ময়নি।
খঙবিয়ু সঙ্কর্ষণগী পুম্নমক্তু ওইবনি ॥ ৩৭

গৌর-কৃপা-টীকা

হৌরকফম মসকস্নু মপুংফাবা-শক্তিমান শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনি; মরম অসিনা চিচ্ছক্তিগী মপুস্নু শ্রীকৃষ্ণনি, অতৈ কনাস্নু নত্তে। মতুংগী পয়ার অনিদগী খঙবা ওম্মী, শ্রীকৃষ্ণগী ৱাখন্দগী (ইচ্ছাদগী) চিচ্ছক্তিগী মশক ওইবা পোচ্চংনা শ্রীসঙ্কর্ষণনা বৈকুণ্ঠনচিংবা ভগবৎকী ধাম পুম্নমক ফোংদোকই। মাসিদগী অমুক খঙনরিবনা বৈকুণ্ঠনচিংবা ভগবৎকী ধাম পুম্নমক চিচ্ছক্তিগী অংশনা ওইবনি (অংশগী বিলাসনি), অংশ অদুগী মপুনা শ্রীসঙ্কর্ষণনি। মহাক —সঙ্কর্ষণ অহু। সৃষ্টিগী মপুনি-জগৎকী মপু অমসুং মচাকী মপু ওইরিবা অবতারশিং অদুগীসু মপুনি হায়বদি শ্রীসঙ্কর্ষণনা মরুনি; মরম অদুনা শ্রীসঙ্কর্ষণগী অবতার নীপা থোক্লকই।

৩৬—৩৭। চিচ্ছক্তিগী মপু ওইনা শ্রীসঙ্কর্ষণনা করি থবক তৌবগে হায়বদু গ্রন্থকার কবিরাজনা তাকপিরি। চিচ্ছক্তিনা পাম্বে ওইদুনা ইবুংঙো মহাক্না বৈকুণ্ঠনচিংবা ভগবৎকী মফম (ধাম) পুম্নমক ফোংদোকই অমসুং মফম পুম্নমক অদুদা লৈবা ঐশ্বর্য্য মখল তরুক্মকসু ফোংদোকই।

অশেংবা সত্ত্ব—শুদ্ধ সত্ত্ব। অশেংবা সত্ত্বদা হ্লাদিনী, সন্ধিনী অমসুং সংবিৎ শক্তি অহুম অসি আথোই-অহেন নাইনা লৈ। শুদ্ধসত্ত্বদা সন্ধিনী শক্তনা হেন্না লৈরগা, বৈকুণ্ঠনচিংবা ভগবৎকী ধামগী মচাক পোচ্চং থোকই (১।৪।৫৬ পয়ার টীকাদা য়েংবিয়ু)। শুদ্ধ-সত্ত্ব হায়বা ৱাহৈ অসি অশেংবা ৱাহৈ অমনি, ৱাহৈ অসিনা রজ-তম য়াওদবা (রজস্তমোহীন ওইবা) অচম্বা সত্ত্ববু খঙনদে। রজ-তম য়াওদবা সত্ত্বসু অচম্বা পোৎনি; ভগবদ্ধামগী মচাক ওইরিবা শুদ্ধ সত্ত্বদি অপ্রাকৃত (মায়াচংদবা) চিদবস্তুনি (লৌশিংগী পোৎনি) (১।৪।১০ শ্লোকী টীকাদা য়েংবিয়ু)।

'জীব' নাম তটস্থাখ্য এক শক্তি হয়।
মহাসঙ্কর্ষণ সব জীবের আশ্রয়॥ ৩৮
যাহা হৈতে বিশ্বোৎপত্তি যাহাতে প্রলয়।
সেই পুরুষের সঙ্কর্ষণ সমাশ্রয়॥ ৩৯

অর্থ :—

জীব হাঙৈবা অত্থু তটস্থা শক্তি কৌবনি।
জীব পুম্নমক্কী চংফম মহাসঙ্কর্ষণ্নি॥ ৩৮
জগৎপু পুথোক্লিবা প্রলয় তৌহল্লিবা।
মাগী মপুদি সঙ্কর্ষণ্নি মরূ ওইবা॥ ৩৯

গৌর-কৃপা-টীকা

বৈকুণ্ঠনচিংবা মফম বৈকুণ্ঠনচিংবা ভগদ্ধাম মখৈ (দ্বারকা, মথুরা অমসুং গোলোকসু) পুম্নমক অসিগী মচাক্তি অশেংবা সত্বনি (শুদ্ধসত্বনি)। অচম্বা ব্রহ্মাণ্ডগী মচাক লৈবাকঈশিং-মৈ-নচিংবনা ওইবগুম্না ভগবদ্ধামগী মচাক্তি হ্লাদিনী-সন্ধিনী-সংবিৎ অহুম্না তিনবা শুদ্ধ সত্বনা ওইবনি। ঐশ্বর্য্য তরুম্মক পয়ার ১।২।১৫ গী টীকাদা য়েংবিয়ু। ঐশ্বর্য্য তরুকসু চিচ্ছক্তিনা ওইবনি। "ঈশ্বরগী চিচ্ছক্তিনা ঐশ্বর্য্য তরুক ওই। ২।৬।১৪৭॥" মফম অত্থুদা—বৈকুণ্ঠ ধামদা। চিন্ময়নি—চিচ্ছক্তিনা ওইবনি হাঙৈত্থুনা ঐশ্বর্য্য তরুম্মক অমসুং ভগবদ্ধাম পুম্নমক চিন্ময়নি, অপ্রাকৃতনি চমদবনি। সঙ্কর্ষণ্না ওইবনি—সঙ্কর্ষণ্না মপু ওইত্থুনা চিচ্ছক্তিনা বৈকুণ্ঠনচিংবা—ভগবদ্ধাম পুম্নমক অমসুং ঐশ্বর্য্য তরুক, পুম্নমক অত্থু ওইবা মরম্না সঙ্কর্ষণগী নশক্রি অমদি মগুন্নি হাঙৈবিবনি।

৩৮ ৩৯। মথক্কী পয়ার ৩৫ দা সঙ্কর্ষণবু গী সৃষ্টিগী মপুনি হাঙৈখরে, হৌজিক মথুগী মরম কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙৈবিবি।

জীব শক্তি অমদি তটস্থাশক্তিগী অংশনা (সাইওন্না) জীব ওই, সঙ্কর্ষণ্না জীব পুম্নমক্কী মপু ন (চংফম্নি), সৃষ্টিগী (জগৎ শেম্বগী) অহৌবদা সঙ্কর্ষণ্না কারণাণ বশায়না নীপা ওইরগা মহাক্কী হকচাংদগী জীব পুম্নমক পুথোকই অমসুং মহাক্না প্রলয়গী মতমদসু মাগী মশাদা জীব পুম্নমকপু চিংসিল্লী। মবম অসিনা মরূদদি সঙ্কর্ষণগী জগৎ পোকই অমসুং প্রলয়দা সঙ্কর্ষণগী মশাদা জগৎ লৈ। মতৌ অসুম্না শ্রীসঙ্কর্ষণ্না জগৎনচিংবা শেম্বগা থবক তৌবগী মকোক্নি। থাঙৈশেংনা কারণাণ বশায়ী নীপানা শেম-শাবগী মবম ওইরবসু সঙ্কর্ষণ্না অচুম ওইবা কারণাণ বশায়ীগী এক ওইবনা সঙ্কর্ষণ্না সৃষ্টিগী মপু ওইবে।

সর্ব্বাশ্রয় সর্ব্বাদ্ভুত ঐশ্বর্য্য অপার।
অনন্ত কহিতে নারে মহিমা যাহার ॥ ৪০
তুরীয় বিশুদ্ধসত্ত্ব সঙ্কর্ষণ নাম।
তেঁহো যার অংশ - সেই নিত্যানন্দরাম ॥ ৪১

অর্থ :—

ঐশ্বর্য্যগী ওমথৈ লৈতে পুম্নমক্কী চংফম্নি।
মাগী মগুণ হাঙ্গৈবা ওমদে মপান্নাইদবনি ॥ ৪০
মায়াচংদবা অশেংবা সত্ত্ব সঙ্কর্ষণ—অহু।
শ্রীনিত্যানন্দ রামগী অংশনি মহাক অহু ॥ ৪১

গৌর-কৃপা টীকা

জীব অসিনচিংবা—জীবশক্তি কৌবা শক্তি অমা লৈ; মহাকপু তটস্থা শক্তিস্থ কৌই। ১। ২। ৮৬ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু। মহাসঙ্কর্ষণ—সঙ্কর্ষণনা জীব পুম্নমক্কী চংজফম্নি। জীব শক্তিগী সাইওন্না জীব পুম্নমক ওইবনি; জীব পুম্নমক্কী থোন্নকফম মপুনি হাঙ্গৈহুনা সঙ্কর্ষণবু জীবগী মপু হাঙ্গৈনরে। জীবগী মপু ওইবা অহুনা জীব শক্তিগীসু মপু ওইরে। পুথোক্লিবা—পোকহল্লিবা, শেম্লিবা। প্রলয়বু তৌহল্লিবা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নাড মাঙলবগী মতুংদা জীব পুম্নমক্না সঙ্কর্ষণগী সাইওন্দা (অংশদা) চঙঙী।

৪০—৪১। অহানবা মতাংগী মথক্কী শ্লোক "মায়াতীতে" না হৌবা নিপানশুবা শ্লোক অহুগী অরোইবা পরেংগী (চরণগী) অর্থ তৌজরি। ইবুংঙো মহাক্না পুম্নমক্কী মপু ওইবা, চংজফম ওইবা, মহাক্কী ঐশ্বর্য্য ওমথৈ লৈতবা, স্বয়ং অনন্তদেবনসু মহাক্কী মগুণ শীংথাবদা লোইবা নাইদবা, অহুম ওইবা অশেংবা সত্ত্বগী মূর্ত্তি শ্রীসঙ্কর্ষণ অহু, শ্রীবলরামগী অংশনি অমসুং অহুম ওইবা শ্রীবলরাম অহুনা নবদ্বীপ্তা শ্রীনিত্যানন্দ ওইহুনা পোক্লরে। পুম্নমক্কী চংফম্নি—পুম্নমক্কী চংজফম মপুনি। ঐশ্বর্য্যগী ওমথৈ লৈতে—মহাক্কী ঐশ্বর্য্যাদি হাঙ্গৈবদা লোইবা নাইদে। বৈকুণ্ঠনচিংবা ধামগী ঐশ্বর্য্যসু মহাক্না মপুনি, অঙকপা শক্তি খিবিক্না তিন্দুনা লৈ হাঙ্গৈবদা চিংনবা লৈতে। মহাক আবেশ অবতরনি, মমাই জিশিং অমা পানবা অনন্তনা মাগী (সঙ্কর্ষণগী) মগুণ শীংথাবদা লোইবা নাইদে। মায়া চংদবা—মায়াগী রাংম। পয়ার ১। ২। ১০ শ্লোকী টীকাদা য়েংবিয়ু। অশেংবা সত্ত্ব—সঙ্কর্ষণগী হকচাংগী মচাক পুম্নমক অশেংবা সত্ত্বনা ওইবনি। ১। ৪। ৫৬ পয়ারগী টীকাদা

অষ্টম-শ্লোকের কৈল সংক্ষেপে বিবরণ।
নবম শ্লোকের অর্থ শুন দিয়া মন॥ ৪২

অর্থ :—

শ্লোক নীপান শুবগী মবম হাঙ্গজরে শন্নপা।
মাপনশুবা শ্লোকী অর্থ তাবিযু পুক্লিংচংনা॥ ৪২

তথাহি শ্রীস্বরূপ গোস্বামি-কড়চায়াম —

মায়া ভর্ত্তাজাণ্ডসঙ্ঘাশ্রয়াঙ্গ শেতে সাক্ষাৎ কারণাম্ভোধিমধ্যে।
যস্যৈকাংশ: শ্রীপুমানাদিদেবস্তং শ্রীনিত্যানন্দরামং প্রপদ্যে॥ ৭

বৈকুণ্ঠ বাহিরে যেই জ্যোতির্ম্ময় ধাম।
তাহার বাহিরে কারণার্ণব নাম॥ ৪৩
বৈকুণ্ঠ বেড়িয়া এক আছে জলনিধি।
অনন্ত অপার তার নাহিক অবধি॥ ৪৪

অর্থ :

বৈকুণ্ঠনী মপান্দা মঙানগী ধাম অহু ৈল।
কারণার্ণব কৌবনা মাহুগী মপান্দা লে॥ ৪৩
কারণ সমুদ্রনা বৈকুণ্ঠ কোঙ্গসিঙুনা লৈ।
মাগী অবোইবা লৈতে মপান নাইদনা ল॥ ৪৪

গৌর কৃপা-টীকা

যেংবিবু। মহাক অহু—সঙ্কর্ষণ অহু। নিত্যানন্দরাম—মহাক নিত্যানন্দগী মশক ওইবা বলবাম্নি। হাঙ্গৈবদি মহাক বলরামমক্কি অমসুং ওতুম 'ইবা বলরাম অহুনা শ্রী নিত্যানন্দ ওইববে।

৪২। নীপানশুবা শ্লোকী—"মাযাতীতে ব্যাপি' অসিনচিবা শ্লোকী। মবম—১১—৪১ পযারদা। মাপনশুবা শ্লোকী "মাযাভর্ত্তাজাণ্ড" অসিন হৌবা শ্লোকী।

শ্লো ৭। অন্বয় নচিংবদি অগানবা মতাংগী ৯ শুবা শ্লোক্কা যেংবিবু। "মাযাতীতে" শ্লোক্কা অহানবা লীলাগী ৫বেং শুবা শ্লোক্কা হাঙ্গৈবিবা "সঙ্কর্ষণ" তত্ত্ব ফাংদোকখ্রে, মতুংদা "কারণ তোয়শাযীর" তত্ত্ব ফোংদোক্লি "মায ভর্ত্তাজাণ্ড' না হৌবা শ্লোক্কা। মথাগী পযার পুন্নমক্কা "মাযাভর্ত্তাজাণ্ড" নচিবগী শ্লোকী অর্থ হাঙ্গজরি।

৪৩—৪৪। পযার মখিদা শ্লোকী মনু দা যাওবিবা কারণাম্ভোধির (কারণার্ণবগী) মবমদা হাঙ্গজরি। বৈকুণ্ঠগী মপান্দা সিদ্ধলোক কৌবা মঙান ওাক্তা লৈবা অহুগীসু মপান্দা চিন্ময়গী ঈশিংনা থল্লবা সমুদ্র অমা লৈ, মাহু মপান নাইদ্রবসু খুজিগী মংংগুন্না কোইমক-

বৈকুণ্ঠের পৃথিব্যাদি সকল চিন্ময়।
মায়িক-ভূতের তাঁথ জন্ম নাহি হয়॥ ৪৫

অর্থ :—

বৈকুণ্ঠগী লৈবাক্লচিংবা পূম্নমক চিন্ময়নি।
মাযাগী পোং হৃকচাং মফম 'ত্থদা পোক্তবনি॥ ৪৫

গৌর-কৃপা-টীকা

কোইনা সিদ্ধলোকপু মপাললোমদা কোঙ্গশিগুনা লৈ। অস্নুম ওইবা চিন্ময়গী সমুদ্র অংসবু কারণার্ণব অমদি কারণ সমুদ্র কৌই, মাহুগী অতোপ্পা মমিং অমনা বিরজা তুরেন কৌই।

বৈকুণ্ঠগী মপান্দা—বৈকুণ্ঠগী য়াংমদা, মফম অসিদা মশক নাইবা পরব্যোমগী অংশবু বৈকুণ্ঠ কৌই (মথক্কী পয়ার ২৭ কী টীকাদা য়েংবিযু)।
মণ্ডানগী ধাম—সিদ্ধলোক। মাহুগী মপান্দা—সিদ্ধলোক্কী মপান্দা বৈকুণ্ঠ। পন্ন-তৈনবা মাইকৈদা। বৈকুণ্ঠ কোঙ্গসিগুনা—মফম অসিদদি পরব্যোম অপূনববু খণ্ডনগনি ১।৫।২৭ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিযু)। মরমদি, লঘুভাগবতামৃত (৫।২৪৭) পদ্মপুরাণগী "প্রধান পরব্যোম্নোরন্তরে বিরজানদী" (প, পু উ, -৫৫) অসিগী বাহৈ মতুংইন্না উবা ফংগী, পরব্যোমনু বিরজা তুরেণ অমদি কারণার্ণব না কোঙ্গসিগুনা ভান্দুনা লৈ। বৈকুণ্ঠ বাহৈনা পরব্যোম পূম্নমকপু খণ্ডনবা যাই। মরমদি, মাযা লৈতবা মফম্নু বৈকুণ্ঠ হাঙ্গবা যাই। পরব্যোমগী মশক নাইবা শরুক্তা মাযা চংদবগুম্না মশক নাইদবা শরুক্তা হাঙ্গবদি সিদ্ধলোক্তা মাযা চংদে। কারণ সমুদ্র, ঈশিংনা মপান নাইদবা মপাননাইবনা মপান নাইদবা অহুনা লাস্তোকপা ঙম্মদে (মায়াগী মন্নুংচনবা মীনদি লাস্থোকপা ঙমদে) ১।৫।৬ শ্লোক অমসুং ১।৫।২৭ পযারগী টীকাদা য়েংবিযু।

৪৫। বৈকুণ্ঠদসু লৈবাক, ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ, আকাশ (শূন্য) ভূত মণ্ডা অসি লৈ, তৌইগুম্বসুং মখাঙ্গ পূম্নমক চিচ্ছক্তিনা ওইবা ভাক্তনি হঙ্গহুনা চিন্ময়নি, অচম্বা মাযাগী লৈবাক ব্রহ্মাণ্ডগী পোংলম মণ্ডা (পঞ্চভূত) গী মতৌগু। শিনা নাইদে (জড় নত্তে)। চিন্ময় বৈকুণ্ঠদা মায়াগী—ফিবম লেতে (২।২০।২৩১ অমসুং শ্রীভা, ২।৯।১০)। মরম অহুন মফম অহুদা মায়াগী পঞ্চভূত-না পোকলুবা লৈরুবা ঙমদে।

গৌর-কৃপা টীকা

লৈবাক্লচিংবা—পৃথিবী (লৈবাক), ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ, আকাশ (অতিয়া,শূন্য) পোৎলম ভূত মঙা অসি। চিন্ময়নি—চিচ্ছক্তিনা ওইবা মশাংবা সত্তনি। মাযাগী পোৎ — লৈবাক্লচিংবা পোৎলম এঙা (ভূত মঙা)।

ঐখোযগী মাযাগী লৈব ক ব্রহ্মাণ্ড অসিদা ঈশিং, উ-ন্না, উন্নী ন্নাবী, শা, উচেকনচিংবা পোৎ কযামুক লৈ, অতুগুমতুনা বৈকুণ্ঠদসু পোৎলম অমত্তা বাৎতনা লৈ, খেন্নবা হাঙ্গবনু ঐখোযগী ব্রহ্মাণ্ডগী পোৎনা অচম্বা ওইবা, অতুগা বৈকুণ্ঠগী পোৎনা চমন্রবা অপ্রাকৃত চিন্ময, সচ্চিদানন্দনি। বকুণ্ঠদা পোৎ পুংমক লৈ হাঙ্গবসি, শ্রীমদ্ভাগবতগী খণ্ডবা অর্মী। অহুমশুবা স্কন্ধগী অধ্যায ১৫ শুবদা বৈকুণ্ঠগী মবম ইবদা উবা ফংঙী মফম অতু উমং (বন) লৈ, উ লৈ (যত্র নৈ শ্রেযশং নাম বনং কামদু খৈদ্রৈ। ১৬ ॥), দোলাই লৈ, পুখ্রি লৈ, মাধব লতা লৈ, নুংশিং লৈ (বৈমানিকাং সললনাশ্চরিতানি শশ্বদগাযন্তী যং শমলক্ষপণানি ভর্তুঃ। অন্তর্জলেহনুবিকসন্মধু বাধবী নাং গন্ধেন খণ্ডিতধিযোহপ্যনিলং ক্ষিপন্তঃ। ১ ॥), কোইমু কোবিল, কাঙা, চক্রবাক নোংগোবী ডবেগী ন্নাইন্ তে অমসুং বহেংনচিংবা লৈ (পারাবতান্য ভৃতসারসচক্রবাকদা ত্যুহহ সগুকতিত্তিরিবর্হিনাং যঃ। কোলাহলো বিবমতে চিবমাত্রমুচ্চৈর্ভৃঙ্গাধিপে হরিকথামিব গাযমানে ॥ ১৮ ॥) তুলসী, চিংথাঙ্, কুন্দ, লৈহাং নাগাকেশব (নাগেশব), বকুল থম্বাল, পানিতাৎনচিবা লৈ (মন্দাবকুন্দকুবকোৎপলচম্পকার্ণপুন্নাগবকুলাম্বুজ পারিজাত.। গন্ধেহর্চিতে তুলসিকাভরণেন তস্যা যস্মিংস্তপঃ সুমনসো বহু মানযন্তি। ১৯ ।) লোবনা পুন্নমক অসিদগী পোৎ পুন্নমক লৈ হাঙ্গনা খঙলী। তৌইংদসুং পোৎ পুংমক অসিদি অগুম্বা (প্রাকৃত) অমতঃ ... .রমদি, বৈকুণ্ঠদা মাযা লৈতে মাযাগা কবিকন্ন গুণ অমত্তা লৈতে, মরম অদুনা মাযাগী গুণগী পোকপ পোৎ অমতসু লৈতে "প্রবর্ততে যত্র রজস্তমস্তযোঃ সত্ত্বং চ মিশ্রং ন চ কালবিক্রম। ন যত্র মাযা কিমুতাপরে হরেরনুব্রতা যত্র সুরাসুরার্চিতাঃ। শ্রীভা ২।৯।১০।" বৈকুণ্ঠগী লোঙ্গনবা মবপ-মপাংগী মতৌগু। পোৎ পুন্নমক অদুসু শ্রীভগবানগী সেবাদ পুংশিং লগুনা লৈ। বৈকুণ্ঠ অমসুং বৈকুণ্ঠদ লৈবা পুন্নমক সচ্চিদানন্দ ওইকনি "বকুণ্ঠ সচ্চিদানন্দ গুণাতীতং পদ গতাঃ॥ তং তে সচ্চিদানন্দ দহঃ পবম বিভবম বৃহদারণ্যকাগতম। ১।৩।৩২—৩৩॥" ১।৫।২০ যাবগী টীকাদা য়েংবিযু।

বৈকুণ্ঠগী চিন্ময ঈশি অতু কাবণার্ণবনা থনবনি, কারণার্ণবগী ঈশিং মশক খণ্ডননবগী-দমক পযাব অসিদা বৈকুণ্ঠগী পঞ্চভূতকী-মবম পীজরি।

চিন্ময় জল সেই পরম কারণ।
যার এক কণা, গঙ্গা পতিত পাবন॥ ৪৬
সেই ত কারণার্ণবে সেই সঙ্কর্ষণ।
আপনার এক অংশ করেন শয়ন॥ ৪৭

অর্থ :—

চিন্ময়গী ঈশিং অদুনা অথোইবা মপু—ওই।
মাদুগী মরিক অমনা লানবী-হৈবী গঙ্গা ওই॥ ৪৬
অদুম ওইবা সঙ্কর্ষণনা কারণার্ণবদুদা।
মহাক্কী অংশ অমনা চেপ্লি মাদুদা॥ ৪৭

গৌর-কৃপা টীকা

৪৬। বৈকুণ্ঠগী চিন্ময় পঞ্চভূতকী চিন্ময় ঈশিং অদু অথোইবা মপু অমনি, ঈশিংদুনা বিরজা তুরেল থল্লী; অথোইবা মপুগী মশক ওইবা ঈশিংনা থল্লী হাঈদুনা বিরজার কারণার্ণব হাঈরিবনি অস্পুন্না খঙনরি।

মাদুগী মরিক অমনা—অদুম ওইবা অথোইবা থোরকফমগী মশক ওইবা ঈশিং অদুগী মরিক অমনা লানবী-হৈবী গঙ্গা ওইরে। লানবী-হৈবী মরিক অদুনা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কী শেংননবগী থোইদোক-হেন্দোকপা মরম অমা ওইরে, হাঈবসি লাঈনা খঙবা ঙম্মে। মরম অসিদগী বিরজাগী চিন্ময় ঈশিংবু অথোইবা মপা (কারণ) হাঈরিবনি। অদুগা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কী মচাক অমম্মুং কর্ত্তা ওইরিবা অদুম ওইবা নীপা অদু, বিরজাগী ঈশিং অসিদা লৈ হাঈদুনা অথোইবা মপা (কারণ) হাঈরিবনি। ১।৫।৬ শ্লোক্কী টীকাদা য়েংবিয়ু।

৪৭। অদুম ওইবা কারণার্ণব (কারণ সমুদ্র) অদুদা শ্রীসঙ্কর্ষণগী অংশ অমনা (খাইথখিবা সাইওন অমনা) চেপ্লুনা (হিপ্লুনা) লৈ। কারণার্ণবদা হিপ্লুনা লৈ হাঈদুনা সঙ্কর্ষণগী, অদুম ওইবা মশক অদুবু কারণার্ণবশায়ী পুরুষ নীপা কৌই (অপোকপা কৌই)। পয়ার অসিদা অহানবা মতাংগী মাপনশুবা শ্লোক্কী "শেতে সাক্ষাৎ" শব্দক্কী অর্থ তৌজরে।

"জগৃহে পুরুষং রূপং ভগবান মহদাদিভিঃ। সম্ভূতং ষোড়শ—কলমাদৌ লোকসিসৃক্ষয়া॥ শ্রীভা, ১।৩।১॥—শ্রীভগবান্না মীওইবা শেম্নগে হাঈবগী রাখন্দা অহানবদা (সৃষ্টি হৌরকপদা) মহদাদি তত্ত্বনা তিনবা (মপূংফারবা অথোইবা শক্তিনা তিনবা) নীপাগী মশক ওইদুনা ফোংদোকই।"

মহৎস্রষ্টা পুরুষ তেঁহো জগত-কারণ।
আদ্য অবতার করে মায়ার ঈক্ষণ। ৪৮

অর্থ :-

সৃষ্টিকর্তা পুরুষনা জগৎকী মপানি।
অহানবা অবতার'সিনা মায়াদা য়েংবনি॥ ৪৮

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লোক অসিগী টীকাদা শ্রীলবিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তি পাদ-না ইবিবমা "অত্র যোহয়ং ভগবান পরব্যোমাধিনাথঃ তেন গৃহীতং যৎ ষোড়শকলং রূপং স মহাবিষ্ণুঃ প্রকৃতীক্ষণকর্ত্তা সঙ্কর্ষণাংশঃ কারণার্ণবশায়ী প্রথম পুরুষঃ ভাগবতামৃতোক্ত যুক্ত্যা জ্ঞেয়। শ্লোক অসিদা যাওরিবা 'ভগবান'—বাহৈ অসিনা মফম অসিদদি পরব্যোমাধিপতি নারায়ণবু খঙহল্লী, মহাক্না নীপাগী মশক ওইহনা ফো দোকপা অহুদা, সৃষ্টি হৌবকপদা প্রকৃতিদা (মায়াগী) মফমদা মিৎয়েং তাবিবা মপু মহাবিষ্ণু অহু মহাক্নি অমসুং পরব্যোমদা লৈরিবা সঙ্কর্ষণগী অংশ (সাইওন) কারণার্ণবশায়ী নারায়ণ অহু মহাক্নি।" শ্লোকতা যাওরিবা 'ষোড়শকলম'—বাহৈ অসি "পুরুষংরূপং" গী বিশেষণ-নি, মসিগী অর্থনা—"ষোড়শকলং তৎসৃষ্ট্যুপযোগি পূর্ণ-শক্তিবিত্যর্থঃ—জগৎ শেম্বদা চঙবা শক্তি পুম্নমক অহু মাঙোন্দা মপুংফানা লৈ।"

মহাক্কী অংশ অমনা—মহাক্কী সাইওন অমনা সঙ্কর্ষণগী অংশ (সাইওন) দি কারণার্ণবশায়ী পুরুষনি (শ্রীকৃষ্ণগী ক্রিয়াশক্তি ফোঁদোক্লিবা সঙ্কর্ষণগী মহাক্না শক্তি থবা রাংশি)। ১।৫।৩৫ পয়ারগী টীকা য়েংবিয়ু। মাহুমক করণার্ণবশায়ীগী তঙনি। মফম অসিদা নথক্কী শ্লোক ৭ তা যাওরিবা "যদ্যৈকাংশ" শব্দ অসিগী অর্থ তোঙ্জবে।

৪৮। কারণার্ণবশায়ীগী অমুকন্না মরম থবা পীজরি। পুরুষ—কারণার্ণবশায়ী হৌবুংঙো, নীপা : ঈশ্বর। সৃষ্টি কর্ত্তা পুরুষনা—মরম ওইবা তঙ শেম্বা মপুনা। সত্ত্ব, রজঃ অমসুং তমঃ গুণ অহুম অসি অহানবা পুংথাকপা মতমদা মান্ননা লৈবা ফিবম অহুবু প্রকৃতি কৌই, "সত্ত্বরজস্তমসাং সাম্যবস্থা প্রকৃতিঃ। সাংখ্যদর্শন ১।৬১।সূ:।" মান্নবা ফিবমদা তিন্নববা সত্ত্বনচিংবা গুণ অহুম অসিবু প্রকৃতি কৌই। মহা প্রলয়গী মতমদা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক মাওথি, মতম অহুদা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কী শিথিবা মকুব অগা (জড অংশ অহু) [illegible] ([illegible]) [illegible]। [illegible] [illegible] অসি মানবা ফিবমদা

গৌর-কৃপা-টীকা

লৈবদা মহৌশাগী শাজং-ফিবমদগী করিগুম্বা মওং অমদা ওনখিবা লৈতে। করিগুম্বা পোং অমগী মহৌশাগী ফিবম অহু মাওহনবা তারবদি মপানলোমদগী মহাক্কী মথক্তা শক্তি অমা শিজিন্নরকপা তাই, মাহুম তৌরগা মাওহনবা ওম্মী - মসি হৌজিক কালগী বিজ্ঞানন্সু য়ানৈ। সৃষ্টি, অহৌবদা কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা প্রকৃতিগী মকমদা অরাপ্পদগী য়েংলক্তুনা শক্তি শিজিন্নখি; শক্তি অহুগী মগুন্না প্রকৃতিগী মহৌশাগী মান্ননা লৈবা গুণগী ফিবম অহু মাওখি অমসুং প্রকৃতিগী ফিবম অমা হোংঙী; মতৌ অম্সুম্না প্রকৃতিগী ফিবম অহু হোংলবদি মহাক্কী অহানবগী ওইরম্বা ফিবম অহুবু মহৎ অমদি মহত্তত্ত্ব কৌই। "মহদাখ্যমাদ্যং কার্য্যং তন্মন:। সাংখ্যদর্শন। ১।৭১॥" অম্সুম ওইবা মহত্তত্ত্ব অসিবু পুক্নিং কৌই। পুক্নিং হাঙ্গরগা অচুম্বা অরেপ্পবু খঙহল্লিবা বুদ্ধিবু খঙনৈ; মরম অসিনা বুদ্ধি অসি মহত্তত্ত্ব-নি (অথোইবা তত্ত্বনি)। শ্রীমদভাগবতকী "আদ্যোহবতার: পুরুষ: পরস্য কাল: স্বভাব সদসন্মনশ্চ" অসিনচিংবা ২।৬।৪২ শ্লোক্কী টীকাদা শ্রীধরস্বামীনসু পুক্নিং (মন)গী অর্থ মহত্তত্ত্বনি হাঙ্গনা ইরম্মী -"মনো মহত্তত্ত্বম" প্রকৃতিদগী মহত্তত্ত্ব অসি পোকই। "প্রকৃতের্মহান। সাংখ্যদর্শন ১।৬১ সূ।" কারণার্ণবশায়ীগী শক্তিনা প্রকৃতিদগী মহত্তত্ত্ব থোকহল্লী হাঙ্গদুনা কারণার্ণবশায়ীবু মহত্তত্ত্বগী শেম্বিবা মপু (সৃষ্টিকর্ত্তা) অপোকপা হাঙ্গরিবনি। নীপা (পুরুষ)—পিপর্ত্তি পূরয়তি বলং য: (শব্দকল্পদ্রুম); পাঙ্গল অমদি শক্তি পীনবিবা মহাক অহুবু পুরুষ (নীপা,) কৌই। কারণার্ণবশায়ীনা প্রকৃতিদা শক্তি পীনবিদুনা মহাক্না জগৎ-শেম্বগী থবক হৌখি হাঙ্গদুনা কারণার্ণবশায়ীবু নীপা (পুরুষ) হাঙ্গরিবনি। শ্রীমদভাগবতকী ২।৬।৪২ শ্লোক্কী টীকাদা শ্রীধরস্বামীনসু নীপাগী অর্থ অম্সুম্না তৌবিরম্মী- প্রকৃতির প্রবর্ত্তক (প্রকৃতিগী হৌভম)। নীপাগী খুদমদি লঘু-ভাগবতামৃতগী অবতার-প্রকরণ ৭ শুবা শ্লোক্তা য়েংবিয়ু। প্রকৃতিগী হৌভম্নি হাঙ্গদুনা অথোইবা সৃষ্টিকর্ত্তা কারণার্ণবশায়ীনা নীপা পুরুষ ওইরে প্রকৃতিগী অন্তর্য্যামীনি। "মহত: স্রষ্টৃ প্রকৃতেরন্তর্য্যামী। ল, ভা, কৃষ্ণ, অবতার-প্রকরণ ৯ শুবা শ্লোক্কী টীকাদা য়েংবিয়ু শ্রীপাদ বলদেব বিদ্যাভূষণনা তৌবনি।" জগৎকী মপানি—জগৎকী হাঙ্গবদি ব্রহ্মাণ্ডগী মপানি-কর্ত্তা=মপূনি; জগৎকী উপাদান কারণনি (মচাক পুথোকপা মপানি) অমসুং নিমিত্ত কারণনি (শেম্বিরিবা মপানি) (মতুংগী পয়ার ৫০–৫৬ পয়ারদা য়েংবিয়ু)। অহানবা অবতার'সিনা - অহৌবা অবতার'সিনা। "সৃষ্টিনচিংবগীদমক অংশীদুনা তৌই। অহুম ওইবা অংশ'হুবু অবতার কৌই॥ ১।৫।৬৯॥"—সৃষ্টিনচিংবা থবক্কীদমক ভগবান্না মহাক্কী অংশগী মফমদা মিংয়েং চংই পুক্নিংচংহল্লী হাঙ্গবদি মহাক্কী অংশ অহুনা সৃষ্টিনচিংবগী (শেম্বগী)

মায়াশক্তি রহে কারণাব্ধির বাহিরে।
কারণ সমুদ্র মায়া পরশিতে নারে ॥ ৪৯

অর্থ :—

কারণাব্ধিগী রাংমদা লৈ মায়াশক্তিনা।
কারণ-সমুদ্রদা চঙবা ঙমদে মায়ানা ॥ ৪৯

গৌর-কৃপা-টীকা

থবক তৌহল্লী, অদুনা থবক তৌরিবা অংশ অদুবু অবতার কৌই। সৃষ্টিগী অহানবা থবক্তি, সত্ত্ব, রজঃ তমঃ গুণ অহুম্না মায়না লৈরিবা প্রকৃতিবু মহৌশাগী ফিবম হোংহন্দুনা মওং অমদা ওন্থোকপা যাহনবা অদুবুনি; কারণার্ণবশায়ীনা মাহ্ তৌই অমসুং তৌদুনা প্রকৃতিবু অহানবদা ফিবম হোংহন্দুনা পুক্রিং মহত্তত্ত্ব শেমখি। মবম অসিনা অহানবা অবতার অসি কারণার্ণবশায়ীনা ওইবনি। শ্রীমদভাগবতকী ২।৬।৪২ শ্লোকস্তু মহাকপু অহানবা অবতার হাঈ; "আদ্যোবতারঃ পুরুষঃ পরস্য অসিনচিংবা" মায়া চংদবা মফমদগী (অপ্রপঞ্চদগী) মায়াগী জগৎ (প্রপঞ্চ) তা কুমথরকপা অসিবু অবতার কৌই অমসুং মতৌ অসুম তৌদুনা কনাগুম্বা অমনা মায়াজগৎ অসিদা কুমথবক্রবদি, মহাকপু অবতার কৌই। কারণার্ণবশায়ীনা ব্রহ্মাণ্ডদা—প্রপঞ্চদা মশামক ফোংদোক্রবসু সৃষ্টিনা (শেম্বনা) চিংবা থবক্কীদমক মহাক্কী শক্তি অমসুং অংশবু প্রপঞ্চদা ব্রহ্মাণ্ডদা কুমথহল্লী (অবতার তৌহল্লী)। মবম অসিনা মহাকপুবু অবতার হাঈরুবদা নাতে চাদবা নত্তে। মায়া—প্রকৃতিগী অতোপ্পা মমিং অমনি। মায়াদা য়েংবনি—প্রকৃতিদা মিংয়েং তাবনি। কারণার্ণবশায়ীনা প্রকৃতিগী অন্তর্যামি ওইনা অরাপ্পদগী প্রকৃতিগী মফমদা মিয়েং তাই (সঐক্ষত ইতি শ্রুতি) অমসুং মিংয়েং তাবা অদুমক্তা শক্তি পীবা ওইনা থোক্তুনা প্রকৃতিগী মহৌশাগী ফিবম অদু মাঙহন্দুনা মহাকপু ব্রহ্মাণ্ড শেম্নবগী মতিক-চাবী অমা ওইহল্লা। মতুংগী পয়ার ৫৭ কী টীকা য়েংবিযু।

৪৯। মথক্কী পয়ারদা হাঈজইরে, কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা মায়াদা য়েংজবতনি, শোকপনচিংবদি তোদে; পয়ার অসিদা মাদুগী মরম অমসুং মায়াগী লৈফম হাঈজরি। কারণার্ণবশায়ীনা কারণ-সমুদ্রদা লৈ; অদুগা মায়ানা কারণ-সমুদ্রগী রাংমদা লৈ; মায়ানা কারণ-সমুদ্র শোকপা ঙমদে, মরম অদুনা "চমদবা পোংতি অচম্বমিংনা উবা ফংদরি—। ২।৯।১৭৯॥" মরম অদুনা কারণার্ণব পুরুষনা অবাপ্পদগী মায়াদা য়েংবনি।

মায়াশক্তিনা—প্রকৃতিনা; মায়া অসি শ্রীকৃষ্ণগী মপানগী শক্তিনি হাঈদুনা মায়াশক্তি হাঈনখবে।

সেই ত মায়ার দুই বিধ অবস্থিতি।
জগতের উপাদান প্রধান প্রকৃতি ॥ ৫০

অর্থ :-

অদুম ওইবা মায়া অদু মশক অনি শুই।
জগৎকী মচাক প্রধানসু ওই প্রকৃতিসু ওই ॥ ৫০

গৌর-কৃপা-টীকা

মায়া অসি শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি ওইববসু মপানগী শক্তিনি হঈদুনা, শ্রীকৃষ্ণ, শ্রীকৃষ্ণগী মরুপ-মপাং পরিকর, শ্রীকৃষ্ণগী অতোপ অতোপ্পা মশক অমসুং মশক পূম্নমক অদুগী মরুপ-মপাং পরিকর, শ্রীকৃষ্ণগী অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী মশক পূম্নমক অদুনা লৈরিবা ধাম মফম্নচিংবদগী মতম পূম্নমক্তা রাংমদা (মপান্দা) লৈ (১ । ২ । ৮৫ পযার টীকা য়েংবিয়ু); মপান্দা লৈরবসু মতম লৈবা খিবিক্তদ শক্তিমান শ্রীকৃষ্ণনা ডাকুনা লৈ, মায়াবু শ্রীকৃষ্ণনা ডাকুনা লৈরুবা মরম অদুদগী মাযাবু শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি অমনি হাঈবগী প্রমাণ ওই।

কারণাব্ধি কারণ-সমুদ্র। চড়গ ৬মদে—শোক্তে, কারণ-সমুদ্রদি অপ্রাকৃত চিন্ময়নি (অচম্বা নত্তে) হাঈদুনা অমসুং মাযানা শিবনাইবা প্রকৃতিনি হাঈদুনা মায়ানা কারণ-সমুদ্রবু শোকপা ঙমদে।

৫০। মথক্কী পয়ার ৫৮ দা হাঈখরে, কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা জগৎকী মপানি; তৌইগুম্বসুং সাংখ্যদর্শনগী মোংতা মাথা ময়দি প্রকৃতিনা জগৎকী মপানি (কারন্নি), অদুগা লাইবিক লেংবিবিবা গোস্বামানদি প্রকৃতিনা জগৎকী কতা মপু (মপা) ওইবা যাদে—কারণার্ণব পুরুষনা জগৎকী মপা ওইগদবনি হাঈবি, মাদু মথাগী পযার তবেংতা উহনজরি। প্রমাণগীদমক সাখ্যগী মোং অদু কবিনো হাঈবা অদু অহানবদা উৎক্রম থোক্লি—করুপা য়াননবগীদমক। সাংখ্যনা হাঙরি—মায়া মশক অনি থোকই; মশক অমনা জগৎকী শেম্বিনা মপা (নিমিত্ত কারণ) ওই অমসুং মশক অমনা জগৎকী মচাক্না মপা (উপাদান কারণ) ওই। .

অনি শুই মখল অনিনি, শেম্বিবা মপা (নিমত্ত কারণ) অমসুং মচাক্কী মপা (উপাদান কারণ)। জগৎকী মচাক অসিনচিংবা জগৎকী মচাক ওইনা প্রধান অমসুং শেম্বিনা মপা ওইনা প্রকৃতি অনি থোক্লা লে। জগৎকী মচাক ওইনবিবা মায়াগী অংশ অদুগী মমিং প্রধান হাঈবদি গুণ মাযা কৌই। অদুগা (শেম্বিবা) মপাগী (নিমিত্ত

গৌর-কৃপা-টীকা

কারণগী) অংশ অদুগী মমিংনা প্রকৃতি অমদি জীব মাযা কৌই। মতৌ অসুম্না মখল নাইহল্লবসু মহেশানা মায়াবু প্রকৃতি অমসুং প্রকৃতিবু মায়া হায়রি। (জীব মায়া অমসুং গুণমায়াগী মরমদা ১।১।২৪ শ্লোককী টীকাদা য়েংবিযু)। মতৌ অসুম্না সাংখ্যগী মোংতদি জগৎকী মচাক্কী মপা ওইবগী মরমসু মায়ানা ওই অমসুং শেম্বিবা মপা ওইবগী মরমসু (নিমিত্ত কারণসু) মায়ানা ওই। করিগুম্বা পোৎ অমা শেম্বিরিবা শাবিরিবা মহাক অদুবু পোৎ অদুগী শেম্বিবা মপা=কর্ত্তা (নিমিত্ত কারণ) কৌই। অদুগা করিগুম্বা পোৎ অমনা মচাক ওইদুনা মওং নাইবা পোৎ অমা শাবা য়ারবদি চংলবা পোৎ-মচাক অদুবু মওং নাইববা পোৎ অদুগী থোরককম মপা মচাক্কী মপা (উপাদান-কারণ) কৌই। মাদুদি চফুশাবা মী অসি চফু অদুগী শেম্বিবা শাবিরিবা মপানি (নিমিত্ত কারণনি), অদুগা লৈবাক অদুনা মচাক্কী মপানি (উপাদান-কারণনি)। সনা-খুজিগী শেম্বিবিবা-শাবিরিবা মপা (কর্ত্তা) ওইবদি (নিমিত্ত কারণনি) সনা শাবনি, অদুগা সনানা খুজিবু পোকপিববা পুথোকপিবিবা মচাক্কী মপানি (উপাদান কারণনি)।

গ্রহ, থৌরাম্নিচাক, মী, শা, উচেক, তান-কাং, উ-রা, সনা, রূপা, নূং, লৈবাক অসিনচিংবা পোৎ থিবিক জগৎ অসিদা উবিবা অসি, ঐথোঙগী মিৎ অসিদা মথোঙগী মচাক (উপাদান) তোঙাল-তোঙাল্লনসু (খেন্নরবসু), সাংখ্যগী মোংতদি :—মথোঙগী মক ওইবা মচাক্কি মাযানি, মায়া অসিদি সত্ত্ব, রজঃ অমসুং তম, গুণ অহুম অাসনা পূনবনি। মবম অসিনা জগৎ অসিদা অচং-চত্রবা পোৎ উবিবা পূন্নমক অসিগী মক ওইবা মচাক্কি মাযানা ওইবে। তৌইগুম্বসুং মায়া মতোমতনা গ্রহ থৌরাম্নিচাক-মী-শানচিংবা মশিং নাইদবা অওকপনা খল্লনা জগৎকী মশিং থীবা ওমদবা অতোপ-অতোপ্পা পোৎকী মচাক মতৌ করম তৌনা ওইবিবনে? গুণ অহুম্না তিনবা মাযানা মতৌ করম্না করম্বা শক্তিনা শান্নবদা লৈবাক্কী মশক ওইবা পথিবী, থরাই পানবগী হকচাং অতোপ-অতোপ্পা ধাতু, নূং, উ-নচিংনা ওনথ্রিবনে? ব্রাহ্মং অসিগী পাওখুমদা সাংখ্যনা হায়রি — মপানগী করিগুম্বা শক্তি অমনা শান্নবদা অসুম্ন ওনখিবনে; গুণ অহুম চেনবী মাযানা মশা মতোমতনা মিংনা উবিবা জগৎ অসিদা অতোপ-অতোপ্পা পোৎ অতোপ-অতোপ্পা মচাক ওইবা ঙম্মী মায়াগী মহেশাগী শক্তি লৈ, মাযাদি শক্তি লৈতোকপা ঙম্মী। মহেশানা শক হোংদোকপা ঙম্মী হায়দুনা মাযানা মতোমতনা জগৎকী মচাক ওইবা ঙম্মী।

জগৎতা লৈম্বিবা মখল-মথা অয়াম্বা পোৎশিং অসিগী মশক, মওং ইমান-মান্নদে। ঐথোঙনা উবা ফংডী, লৈবাক্না মচাক ওইদুনা চফু শাবা মীগী শক্তিনা পুন, চফু, কেগাম,

জগত কারণ নাহে প্রকৃতি জড়রূপা।
শক্তি সঞ্চারিয়া তারে কৃষ্ণ করে কৃপা॥ ৫১

অর্থ

জগংকী মপা নত্তে, শিবনাইবা প্রকৃতিনা।
শক্তি পীনবি কৃষ্ণনা কৃপা তৌবিদুনা॥ ৫১

গৌর-কৃপা-টীকা

গম্না অসিনচিংবা অতোপ-অতোপ্পা মওংগী অমসুং অতোপ অতোপ্পা মচুগী পোং শাই। চক্ষু শাবা মীগী শক্তি নত্তনদি মতৌ অমম্না অতোপ-অতোপ্পা পোং শাবা ঙম্মোই। তৌই গুণসুং গুণ অহুম চেনবী মায়ানা মচাক ওইরগা অঙকপনা থম্লবা জগং অসিদা কনানা অতোপ-অতোপ্পা পোংশিং অসি শাববগে? অতোপ-অতোপ্পা পোংপু অতোপ-অতোপ্পা মওংদা কনানা ওইহল্লবগে? মাসিগী পাওখুমদা সাংখ্যনা হাঙ্গৈরি—মফম অসিদসু মপান্দগী কবিগুম্বা শক্তি অমতা যাওদে, মরমদি মায়াদি স্ব॰ পরিণামশীলানি (মশানা হোংদোক-হোংজিন তৌবা ঙম্বগী শক্তি লৈবনি) অদুনা অতোপ্পা করিগুম্বা শক্তি অমগী মতেং লৌরুবা লৈতনা মায়া মশা মতোমতনা অতোপ-অতোপ্পা মওংদা ওন্দুনা অতোপ-অতোপ্পা পোং ওনবা ঙম্মী, মবম অংনা মায়ানা মশা মতোমতন মাহৌশাগী শক্তিনা জগংকী কর্তা শেম্বিবা মপা (নিমিত্ত কারণ) ওইবা ঙম্ম।

মথক্কী খন্নবিবা (নৈনবিবা) অসিদগী থডবা ঙম্মী, সা খ্যগী মোংগা প্রকৃতি (অমদি মায়া) অসি মশানা শক ওন্থোক-ওঙ্কিন ঙম্মী হাঙ্গৈদুনা জগংকী মচাক পুথোকপা মপা অমসুং শেম্বিবা মপা (নিমিত্ত করাণ) ওইবা ঙম্মী। "এৈকব বিষমগুণা সতী পরিনাম শক্ত্যা মহদাদিবিচিত্র-বচনং জগং প্রসূতে ইতি জগন্নিমিত্তোপাদানভূতা নেতি। বেদান্ত-দর্শনগী ২। ২। ১ সুত্রাভাস শ্রীগোবিন্দ ভাষ্য॥" মতুংগী পযার পূম্নমক্তা কবিরাজ-গোস্বামীনা উহনবিরি প্রকৃতিদি শিবা নাইবা পোংনি, শিবা নাইবা পোংনা শক ওন্থোক-ওন্সিন তৌবা ঙমদে, মরম অসিনা শিবনাইবা প্রকৃতিনা জগংকী কর্তা শেম্বিবা শেম্বিবা মপাসু ওইবা ঙমদে, মচাক্সু ওইবা ঙমদে।

৫১। মায়ানা জগংকী মচাক পুথোরকপগী মপা (উপাদানকারণ) ওইবা ঙমদে হাঙ্গৈবদু পয়ার অহুমদা গ্রন্থকারনা উহনবিরি।

জগংকী মপা—জগংপুথোকপা; জগংকী মচাকী মপা রারেংগী মতুংইন্না মফম অসিদা 'মপা' (রাহৈনা মচাক পুথোরক্লিবা মপাবু কর্তাবু খঙনৈ। মায়ানা জগংকী মচাক

গৌর-কৃপা-টীকা

ওইননবগী মপা ওইবা ওমদে, মরমদি প্রকৃতিদি হাঙ্গবদি মায়াদি শিবনাই, জ্ঞান য়াওদবা পোৎনি হাঙ্গদুনা প্রকৃতিদি মশানা শক ওঙ্খোকপা ওম্মী হাঙ্গনা নীংতুনা সাংখ্যনা হাঙ্গরি, প্রকৃতি মশা মতোমদনা মহত্তত্ত্বনচিংবা, ইন্দ্রিনচিংবা, পঞ্চভূতনচিংবা অমসুং উবা ফংলিবা জগৎকী পোৎ পুম্নমক্কী অতোপ-অতোপ্পা মচাক ওইনা ওনবা ওম্মী। রাতা অসিগী পাওখুমদা কবিরাজ গোস্বামীনা তাকপিরি—প্রকৃতিদি শিবনাইবনি, জ্ঞান য়াওদবনি। রাহৈ অসিগী রামচংদি শিবনাইবা প্রকৃতিনা শক ওঙ্খোক-ওন্সিন তৌবা ওমদে, মরম অদুনা মনিং তৌনা মশা মতোমতনা জগৎকী অতোপ-অতোপ্পা পোৎকী অতোপ-অতোপ্পা মচাক ওনবা ওমদে।

প্রকৃতিনা থাঙ্গৈশেংনা শক হোংদোক-হোংজিন তৌবা ওম্নবদি হোংদোক-হোংজিন তৌবা অসি মহাক্কী শাগোম্নবা ধর্ম্ম ওইফম থোকই; শাগোম্নবা ধর্ম্মদি কৈদৌউদসু মশাবু থাদোক্তে, মরম অসিনা মতম পুম্নমক্তা—মহাপ্রলয়দসু প্রকৃতিনা মনীং তৌনা থবক তৌদুনা লরমগদবনি। মরমদি, মাগী থবক্তা থিংবিনবা মপু লৈরোইদবনি। তৌইগুম্বসুং মহা-প্রলযদদি প্রকৃতিগী গুণ অহুম অচু মান্ননা লৈ, অমুক হন্না সৃষ্টি তৌবগী মমাংফাওবা প্রকৃতিগী গুণ অহুম অচু মান্নবা ফিবমদা লৈবা মরম্না থবক অমতা তৌদ্রমদে, অতোপ্পা কবিগুম্বা শকফম অমতা পুথোক্তে। প্রকৃতিনা শক হোংদোক-হোংজিল ওম্নবদি মহাপ্রলয়গী শাগোম্নবা মতম অসিদা গুণ অহুম মান্নন। লৈবা অসি ওইথোক্তবনি, অতোপ-অতোপ্পা মশক যাম্না পুথোক্তুনা লৈফম থোকপনি, অদুনা শক ওঙ্খোক-ওন্সিন তৌব ওম্বা অসি প্রকৃতিগী মশাগী লোঙ্গনয়কপা ধর্ম্ম নত্তে প্রকৃতিনা শক পুথোকপা ওমদে। জগৎ পুথোকপা ওমদে। প্রকৃতিদি শিবনাইবনি, জ্ঞান য়াওদবনি। জ্ঞান যাওদবা পোৎকীদি বুদ্ধি লৈতে, বিচার তৌনবা শক্তি লৈতে, মহাক্কী বুদ্ধি লৈতবা, বিচাব শক্তি লৈতবা মরম্না অওকপগী মশক ওইবা অতোপ-অতোপ্পা মচাক ওন্দুনা মশা মতোমতনা পুথেবপা অসি ওইথোক্তবনি। ব্রহ্মসূত্রগী "ঈক্ষতেনাশব্দম" ১।১।৫ সূত্রগী-ভাষ্যদা শ্রীপাদ শঙ্করাচার্য্যনা তাকপিখি "ন সাংখ্য-পরিকল্পিতমচেতনং প্রধানং জগতঃ কারণং শক্যং বেদান্তেষাশ্রয়িতুম। অশব্দং হি তৎ। কথম শব্দম? ঈক্ষতেঃ ঈক্ষিতৃত্বশ্রবণাৎ কারণস্য। সাংখ্যনা শেম্লিবা জ্ঞান য়াওদবা প্রকৃতি অসিনা বেদান্তগী রাহৈদা জগৎকী মপা-ওইবা য়াদে; করিগীনো হাঙ্গবদা, মাতুগী করিগুম্বদসু শ্রুতিগী প্রমাণ লৈতে; শ্রুতি প্রমাণ লৈত্রিবা করিগীনো? জগৎকী মপা ওইরিবা মহাক অদুদি, দর্শন—কর্ত্তানি হাঙ্গবা শ্রুতিদা তাবা ফংই।" জ্ঞান য়াওদবা (অচেতন) প্রকৃতিনা জগৎকী মপা ওইবা য়াদে, অচেতন—প্রকৃতিনা জগৎকী

কৃষ্ণ-শক্ত্যে প্রকৃতি হয় গৌণ কারণ।
অগ্নিশক্ত্যে লৌহ যৈছে করয়ে জারণ।। ৫২

অর্থ :—

কৃষ্ণ-শক্তিদা তাংজরী ওইরে প্রকৃতিনা।
মেনা শক্তি পীবিরগা যোংনা তে বগুম্না।। ৫২

গৌর-কৃপা-টীকা

মপা ওইবসি শ্রুতিগী শব্দ-সৈনবা ওই হাঙ্গবসি শ্রীমৎ সঙ্করাচার্যনসু হাঙ্গনম্মী। শক্তিনা হাঙ্গম্নি জগৎকী ওইবিব মহাক অদু পূম্নমকপু উবা ওম্মী দর্শন কর্ত্তানি, (তদৈক্ষত বহুস্যাং প্রজায়েয়। ছা, ৬।২।৩) এবম অসিনা মহাক্কী দর্শন-শক্তি লৈ, অদুনা জ্ঞান যাওদবা ওহবা যাদে মহাক জ্ঞান য়াওবনি। মবম পূম্নমক অসিনা কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙ্গবিবম্মী—শিবনাইবা প্রকৃতিনা জগৎকী মপা ওইনা য়াদে।

শক্তি পীনবি ওসিনচিংবা শ্রীকৃষ্ণনা প্রকৃতিগী মফমদা কৃপা তৌবিদুনা শক্তি পীনবা শ্রীকৃষ্ণনা প্রকৃতিদা শক্তি পীনবিদুনা মহাকপু জগৎকী মচাক ওইনা ওনবা যাননবা মক চাবা ওইহল্লী। গুণ অহুম্না লৈতেংবা প্রকৃতিনা অঙকপনা থল্লবা জগৎকী মশিং থীবা ঙমদবা পোংকী মশিং থীবা ঙমদবা মচাক ওইনা শনবা ঙম্নিবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিননি, শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি অসিনা প্রকৃতিদা জগৎকী মচাক ওইননবা শক্তি দান পাই হাঙ্গদুনা অমস্তুং শক্তি অসি নত্তনদি প্রকৃতিনা মচাক ওইবা সিদ্ধ ওইদে হাঙ্গদুনা, শক্তি অসিনা থাঙ্গৎশেংবা জগৎকী মচাক ওইবে, মবম অসিনা শ্রীকৃষ্ণ শক্তিনা জগৎকী মচাক্কী মপানি (পোক্লকফম্নি)

৫২ মথক্কী পযারদা হাঙ্গথবে, শ্রীকৃষ্ণশক্তি অমদি শ্রীকৃষ্ণনা জগৎকী মচাক পুথোকপগী ওই, মায়ানা মচাক্কী-মপা নত্তে। তৌইংস্সুং ঐখোযনা শ্রীমদভাগবত্তা উবা ফংঙী—"প্রকৃতির্যস্যোপদানম—প্রকৃতিনা থবক্কী মচাক ওই। ১১।২৪।১৯। গুণৈর্বিচিত্রাঃ সৃজতীং স্বরূপাঃ-প্রকৃতিং পজা-প্রকৃতিনা মশাগী সত্বনচিংবা গুণা হকচাং পুথোক্তুনা অঙকপা প্রজাবু শেম্মি। ৩ ২৬।৫॥" অদুগা শ্রুতি দসু উবা ফঙী, "অজামেকাং লোহিত-শুক্ল-কৃষ্ণাং বহ্বীঃ প্রজা জনযন্তীং স্বরূপা।—সত্ব-রজস্তমোগুণ চেনবী প্রকৃতিনা মখল-মখা অযাম্বা মমাগী হকচাং ওই শ্বেতা, ১।৪।৫॥" প্রমাণ পূম্নমক অসিদগী খঙবা ওম্মী, প্রকৃতিবু জগৎকী মপা ওইবা—মচাক্কী মপা (উপাদান কারণ) অমস্তুং শেম্লিবা মপা কত্তা।

গৌর কৃপা-টীকা

(নিমিত্ত-কারণ) ওইবা য়াবা লৈ। অস্মুন্না য়েৎনরিবা অসিগী অচুম্বা রারেপ্তি করিনো ? অচুম্বা রারেপ্তি অসিনি—প্রকৃতিস্মু জগৎকী মপাদি ওই হায়ববু মরু ওইবা মপাদি নত্তে, মপানগী মপানি। কৃষ্ণ অমস্মুং কৃষ্ণ-শক্তিনা মরু ওইবা মপানি। মাসিগী খুদম ওইনা পয়ার অসিদা ফোংদোকচবি।

য়োৎকী মশাগী চাকপা ঙম্মনবা শক্তি লৈতে; তৌইগুম্বস্মুং মৈগী শক্তি অতুনা য়োৎ অতুদা চংলবদি য়োৎ অতু মৈগা অমতা ওইখিত্নুনা অতোপ্পা পোৎপু চাকথোকপা ঙম্মী; মৈগা অমতা ওইত্নুনা চাকপা ঙম্মবস্মু চাকহল্লিবা অতুগী মরু ওইবা মবমদি মৈনি, য়োৎনা নত্তে, মবম অাসনা মৈগী মতেংনা যোৎনা চাকপনি হায়ীত্নুনা য়োৎপু অচাকপগী মবমদা, মপানগী মপা হায়বা য়াই (খুৎথাংনি)।

মতৌ অতুগুমত্নুনা প্রকৃতিগী মকমদা জগৎকী মপ। ওইবগী মতিক-চাবা শক্তি লৈত্রবস্মু শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনা চংখ্রবা মতমদদি শ্রীকৃষ্ণ-শক্তিগা অমতা ওইখিত্নুনা প্রকৃতিনা জগৎকী মপা-ওইবা অতু ফংঙী, চাকপগী থবক্তা কৃষ্ণশক্তিনা মরু ওইব মপানি, প্রকৃতিনা নত্তে; অতুম ওইনমক চাকপগী থবক্তা মৈ-গা অমতা ওইখ্রবা য়োৎনা তৌবগুম্না, কৃষ্ণশক্তিদা চঙনিনা প্রকিতিবু জগৎ শেম্বগী মবমদা মপানগী মপানি হায়নৈ।

কৃষ্ণ-শক্তিদা- থাঙ্গৈশংনা কাবণার্ণবশায়ী পুরুষকী শক্তিদা তাংজরগা প্রকৃতিনা সৃষ্টিক্ষমতা (জগৎ শেম্বগী পাঙ্গল) পোকই, অস্মুম ওইবা ঈশ্বর অসি শ্রীকৃষ্ণগী অংশ ওমনি মহাক্কী শক্তিবু মকম অসিদা কৃষ্ণশক্তি হায়বে, থাঙ্গৈশংবদি মাগী শক্তিস্মু শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনি, শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিদগী মহাক্কা শক্তিমান ওই। মপান ওইবে—প্রকৃতি অসি সৃষ্টিগী মপান থংবা মচাক ওইবা মপানি। মৈ-না শক্তি পীবগা— মৈগা অমতা ওইরগা।

মৈ-গা য়োৎকা চাংদম্নকবগী মবমদি অসিনি, মৈ-গী মতেং যাওদ্রবদি য়োৎ মতে ম-তানা করিগুম্বা পোৎ অমতা চাকপা ঙমদে, অতুগুমত্নুনা কৃষ্ণশক্তি মতেং যাওদনা প্রকৃতিস্মু জগৎকী মচাক ওইবা ঙমদে। অতুগা য়োৎক তিন্নদ্রবস্মু মৈ-দি মতোমদনা চাকপা ঙম্মী, অতুগুমত্নুনা প্রকৃতিগা তিন্নদ্রবস্মু কৃষ্ণশক্তিদি মথল-মথা অয়াম্বা পোৎকী মচাক ওইবা ঙম্মী। ভগবদ্ধাম্নচিংবা মচাক অসি শ্রীকৃষ্ণগী চিচ্ছক্তিনি। মাদুদা মায়াগা তিন্নরুবা পরুরুবা লৈতে। মবম অসিনা কৃষ্ণ-শক্তিনা জগৎকী মরুওইবা মচাক্কি হায়রিবনি।

অতএব কৃষ্ণ মূল জগত কারণ।
প্রকৃতি কারণ যৈছে অজাগলস্তন॥ ৫৩
মায়া-অংশে কারি তারে নিমিত্ত-কারণ।
সেহো নহে যাতে কর্ত্তা হেতু নারায়ণ॥ ৫৪

অর্থ :—

অদুনা কৃষ্ণনা জগৎ'পুম্বগী মপানি।
প্রকৃতিনা মপা ওইবগী মতৌমানবনি॥ ৫৩
মায়ানা শেম্বিবা মপানি হাঈরিবা অদু।
শেম্বিবা মপাদি নারায়ণনি, নত্তে মাহু॥ ৫৪

গৌর-কৃপা-টীকা

৫৩। মথক্কী পয়ার অনিগী রা লোইসিনজবি। অদুনা—কৃষ্ণশক্তিগী মতেং নত্তনা প্রকৃতিনা জগৎকী মপা ওইবা ঙমদে হাঈদুনা অমসুং প্রকৃতি যাওদবসু কৃষ্ণশক্তিনা জগৎকী মপা ওইবা ঙম্মী হাঈদুনা। কৃষ্ণনা মপানি শক্তি অমসুং শক্তিমপু খেন্নদে অদুনা কৃষ্ণশক্তিগী মফমদা কৃষ্ণনা-মপানি হাঈরিবনি। "তস্মাচ্চ দেবা বহুধা সম্প্রসূতাঃ সাধ্যা মনুষ্যাঃ পশবো বয়াংসি। প্রাণাপানৌ ব্রীহিযবৌ তপশ্চ শ্রদ্ধা সত্যং ব্রহ্মচর্য্যং বিধিশ্চ অতঃ সমুদ্রা গিরিযশ্চ সর্ব্বেহস্মাৎ স্যন্দন্তে সিন্ধবঃ সর্ব্বরূপাঃ। অতশ্চ সর্ব্বা ওষধয়ো রসশ্চ যেনৈষ ভূতৈস্তিষ্ঠতে হ্যন্তরাত্মা। পুরুষ এবেদং বিশ্বং কর্ম্ম তপো ব্রহ্ম পরামৃতম্। মুণ্ডক ২।১।৭-১৭" প্রকৃতিনা মপা—কৃষ্ণশক্তিগী গুণা প্রকৃতিনা জগৎ শেম্মী হাঈদুনা প্রকৃতিনা মপানগা মপা ওই। মতৌমানবনি—কবি কবিগুম্বা হানেংগী মঙক্তা মতুম জাং অমা লৈ, মাহু যেংবদা খোমগী মঙং মাল্লী, তৌইগুম্বসুং মাহুদা মখোমদি থোক্তে। মখোম থোক্লবা মরম অদুনা মাহুবু থাঙ্গৈশেংবা মখোম্মক্তি হাঈবা যাদে, অদুম ওইনমক মঙং মাল্লবা মরম অদুনা মতুম অদুবুসু মখোম হাঈনৈ, মাহুবু মতৌমানবা কৌই। থাঙ্গৈশেংবা মখোম নত্তবনিনা মাহুদা মখোম থোক্তে, অদুগুমদুনা প্রকৃতিসু জগৎকী থাঙ্গৈশেংবা মপা নত্তে, অদুম ওইনমক মপ্প ওইবা মপা কৃষ্ণশক্তিগী পাঙ্গৈনা জগৎকী মপা মাল্লবা অদুনা প্রকৃতিবু মপানগী মপানি হাঈরিবনি।

পয়ার ৫১।৫২।৫৩ দা মায়াগী প্রধান-অংশগী অমদি গুণঃমায়াগী রা হাঈজরে।

৫৪। হৌজিক জীব মায়ানা জগৎকী শেম্ববা মপা ওইবা ঙমদে হাঈবগী মরমদা উহনজরি। মায়াদি শিবা নাইবা পোৎনি অরেপ্পা পোৎ নত্তে, মতাকী অখোইবা অংশ

ঘটের নিমিত্ত হেতু যৈছে কুম্ভকার।
তৈছে জগতের কর্ত্তা পুরুষাবতার ॥ ৫৫
কৃষ্ণ কর্ত্তা, মায়া তার করেন সহায়।
ঘটের কারণ চক্র-দণ্ডাদি উপায় ॥ ৫৬

অর্থ :—

ঘোটকী শেম্বিবা মপাদি চকুশাবনি।
অদুগুম্না জগৎকী মপাদি অবতাবনি ॥ ৫৫
কৃষ্ণনা মপানি মাযানা তেংবাংশবনি।
চক্র চৈ-নচিংবসিনা ঘোটকী তেংবাংবনি ॥ ৫৬

গৌর-কৃপা-টীকা

অমদি গুণময়ায়াসু শিব নাইবনি অমসুং প্রকৃতিগী অংশ হাঙ্গবদি জাবমায়াসু শিবনাইবনি। মবম অদুনা মায়ানা জগৎকী শেম্বিবা মপা ওইবা ঙমদে; মবমদি শেম্বিবা ঙম্বা অদুতনা ওইগদবনি, অঙকপগী মশক ওইবা জগৎপু শেম্বিরিবা মপা ওইরিবা ইবংঙো মহাক্কী বুদ্ধি অমসুং বিচার শক্তি লৈকম থোকই, নত্রবদি অঙকপা মযাম শেম্লিবা অসি ঙমফম থোক্কে। প্রকৃতিদি শিবা নাইবনি, মাঙবা নাইবনি. জ্ঞান যাওদবা পোংনি হাঙ্গদুনা মহাক্কী বুদ্ধি অমদি বিচার শক্তি লৈতে; মরম অদুনা মহাক্না জগৎকী শেম্বিবা মপা ওইবা ঙমদে। জ্ঞানগী তুংনফম কারণার্ণবশাযা পুরুষনা জগৎকী শেম্বিবা মপানি, কর্তানি (নিমিত্ত-কারণ-নি)।

মায়ানা—জীব মাযানা, মথক্কী পয়ার ৫০দা মায়াবু "প্রকৃতি" হায়না হাঙ্গখবে।, শাংখ্যগী মোংতা মাযাগী অংশবু জগৎকী শেম্বিবা মপা কৌই হাঙ্গরি। নত্তে মাদু—জীব মাযানা জগৎকী শেম্বিবা মপা ওইবা যাদে। নারায়ণ্নি—কারণ র্ণবশাযী নারায়ণ অমদি অহানবা পুরুষ (ঈশ্বর)। মহাক্না জগৎকী শেম্বিবা মপানি। মথক্কী পয়ার ৭৮ গী টীকাদা যেংবিয়ু।

৫৫—৫৬। মথক্কী পয়ারগী অর্থ অসি চেংননবগীদমক পয়ার অনি অসিদা খুদম অমতং পীজরি। চকুশাবনা মশাগী শক্তিনা ঘোট চকু শাই, চকুশাবা অদু পাংথোক্লবগীদমক চক্র, চৈনচিংবগী মতেং চংঙী; চকুশাবা মীগী শক্তি নত্তনদি চক্র, চৈনচিংবা অদুনা চকু অদু শাবা ঙমদে; অদুনা চকুশাবা মী অদু চকু অদুগী কর্তানি হাঙ্গবদি মরম ওইবা শেম্বিবা মপানি, অদুগা চক্র চৈনচিংবা অদুদি মপানগী (অচম্বা) মপানি। অদুগুমদুনা কারণার্ণব

দূরে থৈতে পুরুষ করে মায়াতে অবধান
জীবরূপ বীর্য্য তাতে করেন আধান ॥ ৫৭

অর্থ —

ঈশ্বরনা অরাপ্পদগী মায়াদা মিংয়েং তাবি।
মাযাদা জীবগী মশক ওইবা মরু পীবি। ৫৭

গৌর-কৃপা-টীকা

শাযী পুরুষনা জগৎকী মরূওইবা শেম্বিবা মপনি, জীব মায়ানা পুরুষগী (ইবুংঙো মহাক্কী) তেংবাংবিবতনি—পুরুষকী (ঈশ্বরগী) শক্তি নত্তনা জীব মাযানা মশামক্তা জগৎশেম্বা ঙমদে, মরম অদুনা পুরুষনা জগৎকী মরু ওইবা শেম্বিবা মপানি, জীব মাযানা তেংবাংবিবনি হাঈবদি মপানগী শেম্বিবা মপানি।

শেম্বিবা মপা—কর্ত্তা অবতারনি—অহানবা অবতার ঈশ্বর, কারণার্ণবশাযী নারাযণ। মাযানা—সৃষ্টিগা থবক্তা মাযানা (জীব মাযানা) পুরুষকী (ঈশ্বরগা) তেংবাংঙী। "মায়া নাম মহাভাগ যযেদং নির্ম্মমে বিভুঃ॥ শ্রী-ভা, ৩।৫।২৫॥ ঈশ্বরাবত্তু অদুনা কর্ত্তা ওইবগা মাযানা জগৎ শেম্মী।" ঈশ্বরগাকথা ওইদুনা জগৎ শেম্বা হৌবা মতমদা জীব মাযানা ঈশ্বরগী শক্তি শিজিন্নদুনা কৃষ্ণ নীংদবা (বহির্ম্মুখ) জীবগী মশাগী জ্ঞানবু কুপসিন্দুনা অমস্তুং মাযাগী পোৎপু পামহন্দুনা গুণ মাযানা (শেম্বা শাবা) মাযাগী হকচা নচিংববু জীববু পামহল্লী মতম অদুদা জীবনা অচম্বা ব্রহ্মাণ্ডদা লাক্তুনা থুংলে, মতৌ অসুম তৌদুনা জীব মাযানা সৃষ্টিগী থবক শেম্বিবা মপা ঈশ্বরগী তেংবাংঙ। ১।৫।২৪ শ্লোক্কী টীকাদা যেংবিযু। চক্র, চৈনচিংব—চয়ুশাবগী চক্র অমস্তুং চক্র অদুবু হুরু হুরু লননবগীদমক চৈনচিংবা

৫৭। মথক্কী পযার ৪৮দা হাঈখরে, কারণার্ণবশাযী পুরুষনা (ঈশ্বরনা) জগৎকী মপানি হাঈবদি কর্ত্তানি, জগৎকী মপা ওইবগী মরীদা সাংখ্যদর্শনগী মোং অদু পযার ৫৫ ৫৬তা কক্থত্তুনা হৌজিক পয়ার ৫৮গী অনিশুবা পরেংগী মতুংইন্না হাঈজরি। "অরাপ্পদ" হায়সিনচিংবা ঈশ্বরনা (পুরুষনা, কারণার্ণবশাযীনা) মাযাবু প্রকৃতিবু শোক্লুবা লৈতনা অরাপ্পদগী মাযাগী মফমদা মিংয়েং তারকপদা মায়াগী মফমদা মিংয়েং তারকপদা মাদুদা জগৎ শেম্নবগী (সৃষ্টিগী) মতিকচাবা শক্তি শিন্নে (পীবি), অদুম ওইবা শক্তি অদুনা, প্রকৃতিগী মহৌশাগী ফিবম সত্তনচিংবা গুণ অহুম মান্নবা লৈরম্বা অদু

গৌব-রূপা -টীকা

মাঙহনখিত্রনা ঙাঙরক্লবদা, ইশ্বরনা (কারণার্ণবশায়ীনা) মহাপ্রলয়দা মাগী মশাদা তিন্দুনা লৈবম্বা অপিকপা (সুক্ষ্ম) জীব পুম্নমক অত্রবু মথোঈগী মবাইবক্কী মতুংইন্না ফংফম (চাফম) থোকপা চাননবগীদমক প্রকৃতিদা শিন্নখি।

অরাপ্পদগী—ঈশ্বরনা (নীপানা) লৈরিববা কারণার্ণবদনি (কারণ-সমুদ্রদনি), অত্রগা মাযা হাঈবদি প্রকৃতিনা 'লবিবনা কারণার্ণবগী (কারণ-সমুদ্রগী) বাংমদনি, মরম অত্রনা ঈশ্বরনা (নীপানা) মাযাদগী য়ায়া লাপ্না লৈ, অসুম্না লাপ্না লৈবা অসিদগী মাযাবু শোল্লবা লৈতনা "কালবৃত্ত্যা তু মাযাযাং গুণ মযা মধোক্ষজঃ।' ইত্যাদি শ্রীভা ৩।৫।২৬ শ্লোক্কী টীকাদ শ্রীলচক্রবর্ত্তিপাদনা ইবিবম্ম—"মাযাধিষ্ঠাত্রা আদিপুরু—ষেণ দ্বারা মাযাং দূরাদীক্ষণে নৈব সংভুক্তাযাং বীর্য্যং চিদাভা—সাখ্যাং জীবশক্তি আধত্ত। মাযাগী মপু অহানবা নীপা (কারণার্ণবশায়ী) না অরাপ্পদগী মাযাদা মিংযে তাবিবতন থামাইগী মঙানগী মশক ওইবা জীব-শক্তিবু পীবি।" মিংযেং তাবি—যেংঙী। নীপানা (কারণার্ণবশায়ীনা) অরাপ্পদগী মাযাগী মফমদা যেংঙী অমসুং যেংবা অদুদা হবুংঙো মহাক্না মাযাদা শক্তি পীবি জীবগী মশক ওইবা এক—মহাপ্রলযদা কৃষ্ণবু থাজদন (নীদবা) জীব পুম্নমক কারণার্ণব-শায়ীদা হুংডাইনা তিল্লম্মী। সৃষ্টি হৌরকপদা (জগৎ শেম্বা হৌরকপদা) হবুংঙো মহাক্না মাংঙোন্দা তিল্লম্লিবা জীব পুম্নমক অত্র মহাক-মহাক্কী কর্মফল চাজননবগীদমক তৌজমল ফংজনবগীদমক মাযাদা থাদে। শেম্নবা ব্রহ্মাণ্ড অসিদা উবা ফংলিবা জীব পুম্নমক অসি, মথাঈ পুম্নমক্তা মরুদদি অকুপ্পা সূক্ষ্ম জীব-নি হাঈত্রনা অকুপ্পা জীব অত্রবু বীজ (মর) হাঈনা কৌবিবনি। কাল-বৃত্ত্যা তু মাযাযাং গুণমযাযামধোক্ষজঃ। পুরুষেণাত্মভূতেন বীর্য্যমাধত্ত বীর্য্যবান ॥ ভা ৩।৫।২৬॥ কাল-শক্তিনা পুন্নিং লাংতন্নবী মাযাদা ভগবান্ন মহাক্কী অংশ-নীপা (পুরুষ) না মক তুল্লে।" মাযাদা—ঈশ্বর শক্তিনা গুণ অমম মান্ননা লৈবম্বা ফিরম কাঈববী মাযাদা পীবি—থম্মি। নীপানা (পুরুষনা, ঈশ্বরনা) জগৎকী মপানি সৃষ্টি-কর্ত্তানি) হাঈবত্র পযার অসিদা উচ্চরে। মথক্কা পযার পুম্নমক্তা কৃষ্ণনা জগৎকী মপানি হাঈগ্রবদা পযার অসিদসু (পযার ৯৮ দসু) নীপানা ঈশ্বরনা মপানি হাঈবিবগী মরমদি অসিনি, শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী অংশ অবতার নীপাবু খুৎলাই ওইত্রনা সৃষ্টিগী থবক পা-থোকই, নীপাসু (কারণার্ণবশায়ী পুরুষসু) শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনা সৃষ্টিগী (জগৎশেম্বগী) থবক তৌই। মরম অসিনা মহা ওইবা মপা কর্ত্তা অত্র শ্রীকৃষ্ণনা ওঈববসু সৃষ্টিগী নক্লবা তাইনবা মপাদি কারণ-সমুদ্রদা চেপ্লিবা ইমুংঙো অত্রনি। (কর্ত্তা—মপু—মপা, য়াহৈ অত্রম অসি অর্থ অমত ন মায়ৈ হাঈনা লৌবিয়ু)।

এক অঙ্গাভাসে করে মায়াতে মিলন।
মায়া হৈতে জন্মে তবে ব্রহ্মাণ্ডেরগণ। ৫৮
অগণ্য অনন্ত যত অণ্ড সন্নিবেশ।
ততঃ রূপে পুরুষ করে সবাতে প্রবেশ॥ ৫৯

অর্থ :—

মায়াদা তিনবনি অংশগী মমি অমনা
মাযাদগী পোকই ব্রহ্মাণ্ড পূম্নমক্লা॥ ৫৮
মশিং থীবা ঙমদবা ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদ।
কারণার্ণবশায়ীনা চংডী ময়ামছুদা॥ ৫৯

গৌর-কৃপা টীকা

৫৮। অংশগী মমি অমনা—হকচাংগী মঙ'ম্না জীব ওইহুনা। জীবদি তটস্থা-শক্তিগী (নকুবা হাযবদি মবক্তা লৈবা শক্তিগী) অংশনি (সাইওন্নি), শক্তিগা শক্তিমানগা (শক্তি মপুগা) খেন্নদবা মবম্না জীববু পুরুষকী (ইবুংঙোগী) অংশনি হাঙ্গীববে, তৌইগুম্বস্নুং জীবদি ইবুংঙো মশামকী অংশ নত্তে হাঙ্গীহুনা অংশগী মমিনি মঙাম্নি হাঙ্গীনৈ। মাযাদা তিনবনি অসিনচিংবা—ইবুংঙো (পুরুষ) মশামক্লা মায়াদা তিন্দে, তৌইগুম্বস্নুং জীবগী মশক ওইবা অংশগী মঙান ওইনা মাযাদা তিন্নী। মাযাদগী অসিনচিংবা—পুক্লিং লাংতক্লববী মাযাগা অকুপ্পা (সূক্ষ্ম) জীবগা (বীজগা) তিন্নবদা ব্রহ্মাণ্ড পূম্নমক শেম্লিবনি। "কালবৃত্ত্যা তু" নচিংবা (শ্রীভা. ৩ ৫। ২৬) শ্লোকী টীকাদ চক্রবর্ত্তিপাদ-না ইবিবখী "মাযাশক্তি-জীব শক্ত্যোর্মেলনেনৈব জগদুৎপত্তিসম্ভবাৎ। —মাযাশক্তি অমসুং জীবশক্তি অনি তিন্নবনা জগৎ পুথোকপা যাবনি।" জগৎ শেম্লিবা অসি জীব-না তৌজবকৃপা কর্ম্মগী থবকী মহয (মরাইবক্লা কোল) চাননবগী মক্লি। কাল, কর্ম্ম অমসুং মাযাগী স্বভাব-না তেংবাংবদগী মায়ানা ঈশ্বর-শক্তি জীবগা হকচাং অমসুং লাইবকী মতুংইন্না চাননবা পোৎ পূম্নমক শেম্মী, কর্ম্ম নত্রগা জীবগী লাইবক্লা হকচাংগা মশক মওং অমসুং চাননবা পোৎশক লেপ্পী, জীব-না মাগী মবাইবকা মতুংইন্না ফংফম থোকপা চংফম থোকপা হকচাং অমদা চংহুনা মরাইবকী মতুংইন্না চাননবা পোৎ পূম্নমক ফংঙ (চাঙ্গী)। মতৌ অসিদা উবা ফংলে, চাবিবনা জীবনি অমসুং মহাক্লা চাননবা পোৎ এইবিবদি অচম্বা পোৎনি—অসুম তৌনা সৃষ্টি তৌই। জীবগা মায়াগা তিন্নম্নবদি জীবগী লাইবকী মতুংইন্না শেম্বস্ন য়াবোই। মরম অদুনা হাঙ্গীরিবনি জীবগা মায়াগা তিন্নবদগী জগৎ পোক্লিবনি।

কোমলাগী মওং মানবা জগৎতা (অণ্ডাকার-জগতে) ইহান-হানবদা ব্রহ্মা পোকই হাঙ্গীহুনা জগৎপু ব্রহ্মাণ্ড কৌরিবনি। মী ওইবগী হকচাংবুম্নু ব্রহ্মাণ্ড অমনি হাঙ্গীনৈ।

৫৯ ব্রহ্মাণ্ড পূম্নমকী খুদিংমকী মনুংদা কারণার্ণবশায়ী ইবুংঙোনা মশক অমত্তনা অন্তর্য্যামী ওইনা লৈবা হৌরক্লে। "যস্যা ম্ভসি শয়ানস্য যোগনিদ্রাং বিতন্বতঃ।" অসিনচিংবা

পুরুষ নাশাতে যবে বাহিরায় শ্বাস।
নিশ্বাস সহিতে হয় ব্রহ্মাণ্ড প্রকাশ॥ ৬০

অর্থ :

নাত্তোন্দা মুংশাশোর হোন্দোকপদা পুরুষনা।
ব্রহ্মাণ্ড পুথোকই মুংশাশোরগা লোঈননা॥ ৬০

গৌর কৃপা-টীকা

শ্রীভা, ১ ৩।২ গী টীকাদা শ্রীপাদ বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীন হায়রিবা—"যস্য পুরুষস্য অম্ভসি স্বরোমকূপব্রহ্মাণ্ডান্তরে একৈকপ্রকাশেন প্রবিশ্য স্বসৃষ্টে গর্ভোদেশয়ানস্য যোগঃ সমাধিস্তদ্রূপাং নিদ্রাং বিস্তারযতঃ।—অদুম ওইবা কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা (ঈশ্বরনা) মশাগী তুখোং খুদিংদা লৈবা, মশিং থীবা ওমদবা ব্রহ্মাণ্ডগা খুদিংমক্তা, অমমম ওইনা চংদুনা মকম অদুদা মশানা শেমজবা ঈশিংদা—ব্রহ্মাণ্ডগী গর্ভদা লৈবা ঈশিংদা—চেপ্তুনা লাইনীংবগা মতৌ মান্না তুমদুনা লৈবে।" কারণার্ণবশায়ী নারায়ণনা ব্রহ্মাণ্ডগী গর্ভদা লৈরিবা ঈশিং অদুদা চেপ্তুনা লৈরবদা, ইবুংঙোগা মহাক্কী মশক অদুবু গর্ভোদশায়ী পুরুষ (গুকশিদনা) হায়বদি অনীশুবা নীপা কৌই। "তৎ সৃষ্ট্বা তদেবানুপ্রাবিশৎ" —শ্রুতিনা হায়রিবা গর্ভোদশায়ী কৌবা অদু অসিনি। মথক্কী সৃষ্টি তত্ত্বদা হায়থরে— কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা প্রকৃতিদা হহ নবদা শক্তি পাথি অদুদগী প্রকৃতিনা শক্লোন পুথোকপা শক্তি ফংই; মতুংদা শিহনবগা শক্তিসু ফংই, শাক্ত অনী আসনা তিনখিবদা পঞ্চ-তন্মাত্রা—রূপ, রস, গন্ধ, স্পর্শ অমসুং শব্দ (মঙান মৈ, মহাও, মনম, শোকপা-খঙবা অমসুং থোঙ্লেন) অমসুং পঞ্চ মহাভূতনচিংবা প্রবৃত্তিগী মশক-নাইবা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক অমসুং আকাশ ভুত মঙানচিংবা পুথোক্তুনা পোৎ পূম্নমক তিন্নদুনা। কোমলাগা মওং মানবা ব্রহ্মাণ্ড পূম্নমক শেম্লে, মথক্তা হায়খ্রিবা শিহনবা-শক্তি (মাঙহনবা-শক্তি) অদুনা ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগী ময়াংদা (কেন্দ্রদা) লৈরে অমসুং শক্তি অসিগী মপু (তুংফম) ওইনা কারণার্ণবশায়ীগী শক্তম মশক অমনা ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদা চঙদুনা লরে। ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদা লৈরিবা ইবুংঙো অসিগা মমিংদি গর্ভোদশায়ী পুরুষ কৌই। মতুংগী পয়ার ৬৩ দা য়েংবিয়ু)।

কারণার্ণবশায়ীপুরুষনা অন্তর্যামী ওইনা ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদা চংদুনা লৈ; কেন্দ্রদা মাই-ওঙ্গিল্লিবা শিহনবা শক্তিগী লৈফম ওইনা ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগী কেন্দ্রদা ইবুংঙোনা লরে।

৬০। "না সতো বিদ্যতে ভাবো নাভাবো বিদ্যতে সত.। গীতা ২। ১৬।—লৈতবা পোৎ অদু কৈদৌউহেদসু ওইবা য়াদে, অরৈবা পোৎ অদু কৈদৌউহেদসু য়াংপা হৌনদে।"

পুনরপি শ্বাস যবে প্রবেশে অন্তরে।
শ্বাস সহ ব্রহ্মাণ্ড পৈশে পুরুষ শরীরে॥ ৬১

অর্থ :—

অমুক হন্না নুংশাশোর চিংশিনখিবা মতমদা।
শোরগা লোঙইননা ব্রহ্মাণ্ড চংখি হকচাংনুংদা॥ ৬১

গৌর-কৃপা-টীকা

নিয়ম অসিগী মতুং-ইন্না—মশিং থীবা ওমদনা ব্রহ্মাণ্ড কোটি কোটি শেমখরে, মখোইশিং অদুমু সৃষ্টিগী মমাংদা কারিগুম্বা মওং অমা ওইনা করিগুম্বা মফম অমদা লৈরম্বনি; অদুগা মহাপ্রলয়গী মতুংদসু করিগুম্বা মওং অমা ওইনা করিগুম্বা মফম অমদা লৈগনি। তৌই-গুম্বসুং কদাইরাইনা করম তৌনা লৈরম্বগে অমসুং লৈগনি, মাদু হৌজিক হাইজরক্নি। মহাপ্রলয়দা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক অসি য়াম্না অকুপ্পা মওং অমা ওইনা কারণার্ণবশায়ীদা তিন্দুনা লৈরম্মী; সৃষ্টিগী অহৌবদা কারণার্ণবশায়ীদগী মখোইনা পিশক-পিক্না থোরক্লগা প্রকৃতিগা তিন্নরগা মওং চাওথোকই; অদুগা মহাপ্রলয়গী মতমদনা মখোইগী হান্নগী চাউরম্বা শককম অদু কাইরবদা, অমুক হন্না অপিকপা (অকুপ্পা) মওং ওইদুনা থোরকফম ওইবা কারণার্ণবশায়ীদা চংদুনা লৈরুই। তম্ব অসি খণ্ডনবগীদমক প্রমাণ অমওং পীজরি—য়ুমগী মিহুৎথোংদা মুমিৎ-মণ্ডান্না য়ৈবদা ইমুংলোমদা মণ্ডান অদু তাই, অদুম ওইবা মণ্ডান অদুদা মশিং লাকওমদবা উফুম্না হঙৎ-হন্দা চংলি অদুগুমদুনা কারণার্ণবশায়ী পুরুষকী তুথোংগী লম্বিদা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্না চংথোক-চংসিন তৌদুনা লৈ—মপান থোরকপা মতমদা সৃষ্টি (জগৎ শেম্বা) ওই; অদুগা মনুংদা চংসিনখিবা মতমদা মহাপ্রলয় ওই; পুরুষনা নুংশাশোর হোন্দোকপগা লোইননা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক (পিশক-পিক্না) পুথোকই; অদুগা নুংশাশোর চিংসিনবগা লোইননা পুম্নমক (অকুপ্পা মওংদা) চিংসিল্লী: মরম অসিনা পুরুষনা নুংশাশোর হোন্দোক্লিবা মতম অদুদা সৃষ্টিগী থবক তৌই; অদুগা হোজিনবা মতমদা প্রলয়গী থবক তৌই। মথকী শ্লোক ৭ তা হাইখরে ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমকী চংজকমদি কারণার্ণবশায়ীনি; মখাগী পয়ার পুম্নমক্না মাদুগীসু প্রমাণ উৎলি।

নাতোন্দা পুরুষনা—কারণার্ণবশায়ী পুরুষকী নাতোন্দা শোর তোন্দোরকপা মতম অদুদা শোরগা লোইননা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক (অকুপ্পা মওংদা) মপান থোরকই। মাদু সৃষ্টি কৌই। পুরুষকী মনুংদা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক লৈরম্বনি, মরম অদুনা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমকী চংজ-কমদি পুরুষনি (মায়াভর্ত্তাজাণ্ড—সম্বাশ্রয়াঙ্গ) হাইবসি পয়ার অসিদা হাইজরে।

৬১। অমুক হন্না নুংশা শোর চিংশিনবগী মতমদা শোরগা লোইননা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক (য়াম্না পিকশিনবা মওংদা) পুরুষকী মনুংদা চংখি—মাদুবু মহাপ্রলয় কৌই। প্রাকৃতপ্রলয়ে

গবাক্ষের রন্ধ্রে যেন ত্রসরেণু চলে।
পুরুষের লোমকূপে ব্রহ্মাণ্ডের জালে ॥ ৬২

অর্থ :—

ইমুংগী অহোবদা উফুল্লা চৎপগুম্না।
পুরুষগী তুখোং অহোবদা চৎলি ব্রহ্মাণ্ডনা ।। ৬২

গৌর-কৃপা-টীকা

সস্মিন্ লীনং সৎ প্রকটতয়া স্বীকৃতবান্। কিমর্থং তত্রাহ লোকসিসৃক্ষয়া। "তস্মিন্নে লীনানাং লোকানাং সমষ্টিব্যষ্ট্যুপাধিজীবানাং সিসৃক্ষয়া প্রাদুর্ভাবনার্থমি ত্যর্থঃ শ্রীভা, ১।৩।১ শ্লোকী টীকা শ্রীজীব"। মাসিদগী খণ্ডবা ঙম্মী, মহাপ্রলয়দদি অচম্বা পঞ্চভূত অসি অপিকপা মণ্ডদা কারণার্ণবশায়ীদা তিল্লী। বিষ্ণু পুরাণগীসু খণ্ডবা লৈ। "প্রকৃতির্যা ময়া খ্যাতা ব্যক্তাব্যক্ত স্বরূপিণী। পুরুষশ্চাপ্যুভাবেতৌ লীয়তে পরমাত্মনি ॥৬।৪।৩৮॥" অদুগা সৃষ্টি হৌবকপদা কারণার্ণবশায়ীদগী জগৎ সংসারগী অকুপ্পপা মরু পুথোকই। ব্রহ্মসংহিতাদগী প্রমাণ লৌখৎতুনা ইবা শ্রীজীব গোস্বামীনা মহাক্কী পরমাত্মসন্দর্ভদস্ম রা অসুম্না হাঙ্গরম্মী। "নারায়ণঃ স ভগবানাপস্তস্মাৎ সনাতনাৎ। আবিরাসন্ কারণার্ণোনিধি : সঙ্কর্ষণাত্মব : যোগনিদ্রাং গতস্তস্মিন সহস্রাংশঃ স্বয়ং মহান্। তদ্রোমবিলজালেষু বাজং সঙ্কর্ষণস্য চ। হৈমান্যণ্ডানি জাতানীত্যাদি। ৩৫ ।। কারণার্ণবশায়ীগী তুখোং খুদিংদা সংসারগী মরু মশক ওইবা (বীজস্বরূপ) সনাগী মচু মানবা মতুম-মতুম য়াম্না পোকখি, মতুমশিং অদুদি খাইদোক্লিবা মহাভূত মণ্ডানা (অপ্রপঞ্চীকৃত মহাভূতে) কৌইশিল্লম্মী (সৃষ্টিগী অহৌবদা)।"

মতুংগী 'যস্যৈকনিশ্বসিতকালমিত্যাদি" শ্লোকগী খণ্ডবা ঙম্মী, পুরুষনা মুংশাশোর হোন্দোক্পদা চৎলিবা মতম অদুদা (শোর হোজিল্লিডৈদা) ব্রহ্মানচিংবা লাইশিংনা ফাং দোক্লা হিংডুনা লৈ, হাঙ্গবদি শোর হোন্দোক্লিডৈগী মতম অদুদা সৃষ্টিগী থবক (জগৎ শেম্বগী থবক) তৌই। মখম অসিনা মথক্কী পয়ার ছন্দ্দা ৬০দা হায়জরে—পুরুষনা নাতোন্দা শোর হোন্দোক্লিডৈগী মতম অদুদা শোরগা লোঙ্গননা (পুরুষবী মশাদা অপিকপা মণ্ডদা লৈবা) ব্রহ্মাণ্ড পুথোকই, অমুক শোর চিংশিনখিবা মতম অদুদা শোরগা লোঙ্গননা অচম্বা পঞ্চভূত পুম্নমক অকুপ্পা (অপিকপা) মণ্ডদা ওল্লগা পুরুষগী মমুংদা চংখি। রা অসি পয়ার ৬২ দা হাঙ্গজরি। চংখি—লৈখি।

পুরুষনা শোর হোন্দোক্পগী মতম শাংনা কুইনা চংবা অসি মতুংগী শ্লোক ৮ দা উচ্চবি। ৬২। মথক্কী পয়ারগী অর্থ মপুং ফানবগী মমক খুদম অমতং উচ্চরি।

ইমুংগী অহোবদা—মিঙ্গৎথোং নত্রগা ফক্লাং অহোবদা। উফুলনা—যাম্না কুপত্রবা উফুল মরিক্লা। ব্রহ্মাণ্ডনা—ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্লা। অপিকপা অহোবগী লাম্বদা উফুল মরিক পুম্নমক্লা

তথাহি ব্রহ্মসংহিতায়াম (৫/৪৮

যস্যৈকনিশ্বসিতকালমথাবলম্ব্য
জীবন্তি লোমবিলজা জগদণ্ড নাথাঃ।
বিষ্ণুর্মহান স ইহ যস্য কলাবিশেষো
গোবিন্দমাদি পুরুষং তমহং ভজামি॥ ৮

গোৎ-রুপা টীকা

হূঙং-হূন্দা চংপগুম্না কারণার্ণবশায়ী পুরুষগী তুখোং অহোবগী লম্বিদসু মশি নাইদবা কোটি ব্রহ্মাণ্ডনা ইলাই-লাঙ্গনা হূঙং-হূন্দা চংজি। মাসিনা তাকপদি পুরুষ অসি ঈশ্বরনি, লাইনি (বিভুনি) হায়বা থওনৈ। পুরুষ—নীপা।

শ্লোক। ৮। অন্বয়। লোমবিলজাঃ (মহাবিষ্ণুগী তুখাং অহোবদগী পোরকপা) জগদণ্ডনাথাঃ (ব্রধানচিংবা ব্রহ্মাণ্ডগী মপু-শিংনা) যস্য (মহাক্কী—মহাবিষ্ণুগী) একনিশ্বসিত কালং (মুংশাশোব অমুকং হোন্দোকপগী মতম) অবলম্ব্য (চুপ্না) ইহ (জগৎ অসিদা) জীবন্তি (হিংতুনা লৈ—ব্রহ্মাণ্ডদা কোংদোক্লুনা লৈ), সঃ (অদুম ওইবা) মহান বিষ্ণু —(মহাবিষ্ণু) যস্য (মহাক্কী—শ্রীগোবিন্দগী) কলা-বিশেষঃ অথন্নবা কলানি), তং (অদুম ওইবা) আদিপুরুষং (অহৌব নীপা) গোবিন্দং গোবিন্দবু) অহং (ঐনা) ভজামি (নীংজরি)।

অনুবাদ। মহাবিষ্ণুগী মুংশাশোর অমুক্তং হোন্দোরকপা মতম অদুগী মনুংদ মহাক্কী তুখোংদগী থোরকপা ব্রহ্মাণ্ডগী মপু ব্রহ্মা, বিষ্ণু, অমসুং শিবনা জগৎ অসিদা মহাক মহাক্কী মথো তৌদুনা কোংদোক্লা লৈ, অদুম ওইবা মহাবিষ্ণু অদুবু ইবুংঙো মহাক্কী অথন্নবা কলা ওইরিবা অদুম ওইবা অহৌবা নীপা শ্রীগোবিন্দবু ঐনা নীংজরি। ৮

শ্লোক অসি জগদণ্ডনাথাঃ বাহৈনা জগৎপু শেম্লিবা, লৈহল্লিবা অমসুং ডাকপিল্লিবা মপু ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং শিববু থওনৈ। মথোঙৈবু মহাবিষ্ণুগী লোমবিলজাঃ—তুখোংদগী থোরকপনি হায়না থওনৈ। রামচং ওইরিবদি অসিনি, ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং শিব অসি মহাবিষ্ণুগী অংশ-কলানি। মহাবিষ্ণুগী (কারণার্ণবশায়ীগী) শোর হোন্দোরকপদা চংলিবা মতম অদু ফাওবা মথৈদা ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং শিব-না জগৎতা কোংদোক্লা লৈ, হায়বদি মতম অসিগী মনুংদা জগৎতা মথোঙৈনা থবক তৌদুনা লৈ, রা অসিনা থওনরিবদি, মহাবিষ্ণুগী শোর অমুক্তং হোন্দোরকপগা মতুং অসিদা জগৎতা ব্রহ্মানা শেমগী থবক তৌদুনা লৈ অমসুং বিষ্ণুনা ডাকপগী থবক তৌদুনা লৈ, মাহুগী মতুংদা শেম্বা (সৃষ্টি) অমসুং ডাকপগী থবক বিংথরে হায়বসি জগৎ অসি মাংথরে। মাহুগী

তথাহি (ভা, ১০ । ১৪ । ১১)

ক্বাহং তমোমহদহং-খচরাগ্নিবার্ভূ-সংবেষ্টিতাণ্ডঘট-সপ্তবিতস্তিকায়ঃ।
ক্বেদৃগ্বিধাবিগণিতাণ্ডপরাণুচর্য্যা-বাতাধ্বরোমবিবরস্য চ তে মহিত্বম্॥ ৯

গৌর-কৃপা-টীকা

মতম অসিদা শিব-না কদ্রগী মশক ওইহৌনা শিন্নবগী (মাঙননবগী) থবক তৌই। রা অসিনা মথক্কী পয়ার ৬০ গী রা মচং ওইরে। মহাবিষ্ণু অসি শ্রীগোবিন্দগী অথন্নবা কলানি (মশুঙুম্বনি)। মতুংগী পয়ার ৬৩-৬৬ তা শ্লোকী রা-মচং ফোংদোক্লি। শ্লোক অসি ব্রহ্মানা হাঙ্গৈবনি।

শ্লো। ৯ অন্বয়। তমোমহদহং খচরাগ্নিবার্ভূ সংবেষ্টিতাণ্ডঘট-সপ্তবিতস্তি কায়ঃ (তমঃ) প্রকৃতি জগৎ, (মহৎ) মহত্তত্ত্ব=অচৌব তত্ত্ব, (অহং) অহঙ্কার তত্ত্ব=আত্মা জ্ঞান, (খং) আকাশ=অতিয়া, (চরঃ) বায়ু=নুংশিৎ (অগ্নিঃ) মৈ, (বাঃ) ঈশিং, (ভূঃ) পৃথিবী, পূম্নমক অসিনা কোঙ্গসিঙনা ওইবা অণ্ডখট (ব্রহ্মাণ্ডগী মশক ওইবা ঘোট) অসিদ ইশাগী অনাংবা-কাপ তরেৎ বাংবা) অহং (ঐনা) ক্ব (কদাইদা লৈবা) চ (অমসুং) ঈদৃগবিধাগণিতাণ্ডপরাণুচর্য্যাবাতাধ্বরোম-বিবরস্য (উফুল পূম্নমক্কা ইমুংগী অহোবদা পাই-থোক-পাইসিন তৌবদৌনা, অসিগুম্বা মশিং লাকণ্ডমদ্রবা ব্রহ্মাণ্ড পূম্নমক্কা হঙ্গৎ-হন্দা পাইথোক-পাইসিন তৌব যাবা তুখোংগী অহোবা লৈবা) তে (নংগী) মহিত্বং (নগুণবু) ক্ব (কদাইদগী শিংথাবা ঙমগদগে) ?

অনুবাদ। প্রকৃতি (মায়াজগৎ), মহৎ (অচৌবা তত্ত্ব), অহঙ্কার (আত্মা জ্ঞান, নাপন), অতিয়া, নুংশিৎ, মৈ, ঈশিং অমসুং পৃথিবী—পূম্নমক অসিনা কোঙ্গসিল্লিবা ঘোটকী মওং ওইবা ব্রহ্মাণ্ডগী মনুংদা খুত্নুপ অহুম মথাই রাবা ঐনা কদাইদা লৈবা ? অতুগা মশিং লাকণ্ডমদ্রবা উফুলগী শরুক্কা ইমুংগী অহোবদা হঙ্গৎ-হন্দা পাইথোক-পাইসিন তৌবদৌনা মশিংলাকণ্ডমদ্রবা ব্রহ্মাণ্ডম। তুখোং খুদিংদা চংথোক-চংসিন তৌবিবা ইবুংঙো নংগী নগুণবু কদাইদগী কনানা শিংথাবা ঙমগদগে ? । ৯ ।

ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণগী যশবী-যন্নাও হুরানুরবগী মতুংদা ইবুংঙো মহাকী অঙকপা মগুণ অহু উবদা থোইদোক্না ওক্লহনা ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা হাঙ্গজরম্মী। শ্লোক অসি হাঙ্গজবা অহুগা মন্নুংচনবা শ্লোক অমনি। শ্লোক অসিদা ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণদা থুরুমজরি "ঐনা কদাইদগী, নংনা কদাইদগী ? হে শ্রীকৃষ্ণ, নংগা ঐগা খেন্নবা অসি হিরম খুদিংদা অঙকপা নংনা খেনথরে। মংগা চংনমদা ঐ অসি করামুক মায়া শিকত্রবগে হাঙ্গৈদা হাইকন থওরগে।

গৌর-কৃপা-টীকা

মরম অদুনা ইবুংঙো, ঐনা খুং লোয়নদুনা খুরুমজরি, যনবী-যল্লাও হুরাল্লদুনা অরানবা থবক তৌরুবগী মরমদা চানবিদুনা ঙাকপিয়ু। ইবুংঙো নংগী রাদি থম্নু-থমথিসি, নংগী অংশ হাঙ্গৈবদি, নংনা শক্লোন পুথোকখিবা সৃষ্টিকর্ত্তা কারণার্ণবশায়ী পুরুষ মহাকা চাং-দম্নবদসু ঐনা য়াম্না পিকখরে, হাঙ্গৈফম খণ্ডনা পিকপ্রে। (সঙ্কর্ষণবিশেষমহৎস্রষ্টৃ প্রথম পুরুষত্বেন স্তৌতি কাহমিতি। শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামী)। ঐনা য়াম্না পিকখিবা মরম্না ইবুংঙো নংগী নগুণগী মরিক অমতসু খঙবা ঙমজদে, মরম অদুদগী নংগী যনবী-যল্লাও ময়াম অদু হৈ-শিংবা শাদুনা হুরাল্ল খিবনি। তৌইগুম্বসুং ইবুংঙো নংদি য়াম্না চাউখরে, থৌজ্জাল হৈখরে ; নংগী নগুণ অদুনা নংনা ঐবু ঙাকপিবা য়াবনি।" মতৌ করম্না ব্রহ্মানা য়াম্না পিকলুবা অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা য়াম্না চাউরুবা, মাদুসু ব্রহ্মানা ফোংদোক্লা হাঙ্গৈরি। অহানবদা ব্রহ্মানা মহাক্লা পিকচবগী মরমদা উৎলি।

"ঐ অসি কয়া য়াম্না পিকপগে হাঙ্গৈবদু ফোংদোকচরি, প্রভু। ঐনা ওই, তমোমহদহং সপ্তবিতস্তিকায় :—তম: (প্রকৃতি), মহৎ (মহত্তত্ত্ব = অচৌবা তত্ত্ব), অহং (অহঙ্কার-তত্ত্ব = আত্মা জ্ঞান তত্ত্ব, নাপন), খং (অতিয়া), চর (মুংশিৎ), অগ্নি: (মৈ), বা: (ঈশিং) অমসুং ভূ: (পৃথিবী, লৈকাক্লা) (পূম্নমক অসিনা) কোঙ্গৈসিল্লিবা (সংবেষ্টিত:) অণ্ডঘট (মরোন তরামরিগী ব্রহ্মাণ্ডগী মশক ওইনা ঘট অদুদা লৈরিবা ঐ অসি ঐগী খুৎকী কাপ) সপ্তবিতস্তিকায়: (কাপ তরেৎ সাংবা হকচাংনি)।" পাতাল-তরেৎ অমসুং লোকতরেৎ (১।১।১০ শ্লোকী টীকাদা য়েংবিয়ু) ব্রহ্মাণ্ড অমদা মরোন তরামরি লৈ ; অসিগুম্বা ব্রহ্মাণ্ড অসিনা মশিং থীবা ঙমদনা কোটি ব্রহ্মাণ্ড লৈ। অসুম ওইবা মশিং থীবা ঙমদব (অনন্ত) কোটি ব্রহ্মাণ্ডগী মপান্দা প্রকৃতিগী কুয়োম নীপানথক লৈ। কুয়োম নীপান অদুদি অসিনি – ব্রহ্মাণ্ড পূম্নমক অসিবু কোঙ্গৈসিণুনা মচাক (উপাদান) ওইনা পৃথিবী লৈবাক লৈ (লৈবাকী অকুপ্পা ফিবমদা); মাসিনা অহানবা কুয়োম (আবরণ-নি) নি। অহানবা কুয়োম অসিবু কোঙ্গৈসিণুনা লৈ অনিশুবা কুয়োম্না, অনিশুবা কুয়োমদি ঈশিংনি, ঈশিংগী মচাক্লা (অকুপ্পা ফিবমদা); মাসিবু কোঙ্গৈসিণুনা লৈ, অহুমশুবা কুয়োম মৈগী মচাক্লা (অকুপ্পা মঙান্না); মসিবু কোঙ্গৈসিদুনা লৈ, মরিশুবা কুয়োম—মুংশিৎকী মচাক্লা (অকুপ্পা ফিবমদা); মাসিবু কোঙ্গৈশিন্দুনা লৈ, মঙাশুবা কুয়োম আতিয়াগী মচাক্লা (অকুপ্পা, আকাশনা) ; মসিবু কোঙ্গৈসিণুনা লৈ, তরুক শুবা কুয়োম – অহঙ্কার তত্ত্বনা ; মাসিবু কোঙ্গৈ-শিন্দুনা লৈ, তরেৎশুবা কুয়োম— মহৎতত্ত্বনা অমসুং মাসিবু কোঙ্গৈসিণুনা লৈ – নীপান শুবা কুয়োম সত্ত্বরজস্তম: না—গুণ অসিনা মাম্নবা মওং অদু প্রকৃতিনি। অসুম-ওইবা কুয়োম

গৌর-কৃপা টীকা

নিপাম্না কোঙ্গসিল্লিবা মশিং নাইদবা কোটি ব্রহ্মাণ্ড অসি য়াম্না চাউরবা পোং অমা ওইবনা অণ্ডকপগী মশক অমনি, মাতুগী শীংথাবস্ম্র ডমজদে। মশিং নাইদবা ব্রহ্মাণ্ড অসিগী মমুংদা ঐখোঙ্গী পিক্লবা ব্রহ্মাণ্ড অসিস্মু মমুংচম্দুনা লৈবিবনি। (ঐখোঙ্গী ব্রহ্মাণ্ড অসিবু পিকই হাঙ্গরুবগী মরমদি অসিনি, দ্বারকাগী বিভূতি প্রদর্শনগী (শক্তি উইনবগী) মরমদা শ্রীমন মহাপ্রভুনা শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীদা তাকপিরম্মী, ব্রহ্মাণ্ড অসি পিকপা চাওবগী মতুংইন্না ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগী ব্রহ্মাগী মমায় পানবা মাম্নদে। ঐখোয়না ব্রহ্মাণ্ড অসিদা লৈরিবা ব্রহ্মাগী মমায়দি মবিথক পাল্লী অমস্নুং অস্নুক পীকপা ব্রহ্মাদি অ:ত কবিগুম্ব্রা ব্রহ্মাণ্ডদা লেতবে। অতোপ-অতোপ্পা ব্রহ্মাণ্ডগী ব্রহ্মাগী মমায়দি কনাগুম্বগীন। মমায চামা পাল্লী, কনাগুম্বগীনা মমায় লিশিং অমা, কনাগুম্বগীনা মম য় লিশি তরা, কনাগুম্বগীনা মমায কোটি অমা পানবা যাওই (মধ্য লীলাগী মতাং ২১ শুবগী পযার ৪৪—৭৮ দা যেংবিধু)। মবম অসিনা ঐখোঙ্গী ব্রহ্মাণ্ডগী মতৌগুম্না পিকপা ব্রহ্মাণ্ডদি মরৈতরে। ব্রহ্মাণ্ড অসিদা তৌখিবা দ্বাপর যুগতা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌখি, মতম অদুদা ব্রহ্মাণ্ড অসিগী মমায মরিপানবা ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণগী যণবী যম্নাওনচিংবা হুরানখি অমস্নুং ব্রহ্মাণ্ড অসিদা লৈন-লৈন মহাক্না শ্রীকৃষ্ণদা খুকমজখি (হাঙ্গজখি)। অতেগা চাংদম্নকুবদা পীক্রে হাঙ্গরিবা ব্রহ্মাণ্ড অসি ঐখোঙ্গী পুক্লিংদদি য়াম্না চাউই হাঙ্গনা নীংলি। ব্রহ্মানা হাঙ্গ—"ব্রহ্মাণ্ড অসিবু ঘোট অমগী মতৌগুম্না য়াম্না পীকই হাঙ্গবদা হাঙ্গমনবা থোক্কে। পীক্রবা ঘোট অসিগী মমুংদা ঐ অসিনা খুত্থুপ অচম-মথাই ব্রাংবা পোংশক অমা ওইহুনা লৈরি। মরম অসিনা ব্রহ্মাণ্ড অসিগা চাংদম্নবদস্নু ঐহাক্না য়াম্না পিকথববনি, শাংথাবা যাদবনি। কুয়োম নীপাম্না কোঙ্গসিল্লিবা মশিং থীবা ডমদবা কোটি ব্রহ্মাণ্ডগা চাংদম্নবদা ঐ অসিনা পীকপসি. উফুল মরিক অমদগী হেন্না পীকথরে। মাতুগী মথক্তা অমুক কুয়োম নীপাম্না কোঙ্গসিল্লিবা ব্রহ্মাণ্ড অসিস্ম্র ঘোটকী মতৌগুম্না কাঙ্গবা নাই, মবম অদুনা ঐস্নু কাঙ্গবা নাইরিবনি হাঙ্গবদি ঐগী পুন্সি অসি মতম খজিক্কনি (সিম্নোঙ্গদৌবা নত্তে)।

প্রভু (হে শ্রীকৃষ্ণ), ঐ অসি উফুলদগী হেন্না পিকন্দা নত্তনা, ঐহাকী হকচাং অসিস্ম্র মতম খরদংগীদা হিংহুনা লৈরিবনি, নংগী অ শ ওইবা (নংনা শক্লোন পুথোকখিবা) কারণার্ণবশায়ীগী শোর হোম্দোকপদা চংবা মতম (শাংবা মতম) অদু মখৈতা ঐনা হিংজরিবনি, মাদুদা ঐগী পুন্সি লোইজরে। (যস্যৈকনিশ্বসিত—কালমথাবলম্ব্য জীবন্তি লোমবিলজা জগদণ্ডনাথাঃ। বিষ্ণুর্মহান স ইহ যস্য কলাবিশেষো গোবিন্দমাদিপুরুষং তমহং ভজামি॥ ব্র, স, ৫।৪৮॥) প্রভু, ঐহাক অসি করামুক য়াম্না পিকপ্রবগে হাঙ্গবা

গৌর-কৃপা-টীকা

অহু হকচরে, হৌজিক, নংনা কয়ামুক য়াম্না চাওবগে হায়বত্ৰু হকচরি, তাবিয়ু। ব্রহ্মাণ্ড অময়া ঐগা চাংদম্নবদা ঐনা উফুল মরিক অমবগী হেন্না শিকথরে, ঈদৃগ—বিধাবিগণিতাণ্ড—রোমবিবর :—ঈদৃগবিধানি (মতৌ অহুম্না) অবিগণিতানি (মশিং নাইদবা, য়ামগ্রবা) অণ্ডানি (মঙ্গম পুম্নমক) ব্রশ পরাণুচর্য্যা (উফুল পুম্নমকী চখোক-চৎসিনবগী লম্বিগা মশক ওইবা)। ব্যাত্তাখবানঃ (অহোবা ওইরে) রোমবিবরাণি (তুখোং পুম্নমক) যস্য (মহাকী)। অহোবগী লম্বিদা উফুল মরিক মরিক্না ইলাঙ্গ-লাঙ্গনা পাইথোক-পাইসিন তৌবদৌনা, মহাকী তুখোংগী অহোবদা মশিং লাকওমদবা কোটি ব্রহ্মাণ্ডনা ইলাঙ্গ-লাঙ্গনা চথোক-চৎসিন তৌতুনা লৈরিবা, অতুম ওইবা (কারণার্ণবশায়ী মহাবিষ্ণুবু ইবুংঙো নহাকী অংশ ওইরিবা, অতুম ওইবা) নংনা কয়া য়াম্না চাউবা হাঙ্গবতু. ঐগী পুক্নিংনস্থ লেপ্পা ওমজদে, প্রভু। ঐগী পিক্লবা ব্রহ্মাণ্ড অসিদা খুতুপ অহুম মথাইতা রাংবা হকচাং ওইবা ঐগা চাংদম্নবদা ইবুংঙো নংনা শিংথাফম থওদনা চাউবা হেনখরে ; অতুগা ঐনা লৈরিবা ব্রহ্মাণ্ড অসিগা অতৈগা চাংদম্নরবস্থ অতৈ অতুনা শরুক য়াম্না হেন্না চাউখরবনি ; মতৌ অস্থুম তৌতুনা কোটি ব্রহ্মাণ্ডনা মাগী তুখোংগী অহোবদা ইলাঙ্গ-লাঙ্গনা চথোক-চৎসিন তৌবা ওম্লিবা, মহাকী তুখোং খুদিংগী অহোবা অতুনা ঐঙোন্দগী চাউবা হেল্লিবসি, করি অমুক হাঙ্গগদগে ঐনা লৈল্লিবা অপিকপা ব্রহ্মাণ্ড অসিদগীস্থ—শরুক কয়া য়াম্না হেনবগে হায়বত্ৰু, কনানা শিংথাবা ওমগনি ? অতুগা মতৌ অস্থুম্না মশিং লাকওমদনা তুখোংগী অহোবা লৈরিবা মহাক্না চাংদম্নবদা ঐ অসি কয়া য়াম্না পিকখবগে হায়বা অতু ইশান। খঞ্জবস্থ ওমজদে। অমস্থং ইবুংঙো নংগী অংশগী অংশ, অতুগীস্থ অংশ অতুনা অসি য়ৌনা চাউখ্রবদা. ইবুংঙো নংনা ঐঙোন্দগী কয়া য়াম্না চাউবহেনবা, অতুগা ঐনা নংঙোন্দগী কয়া য়াম্না পিকপা হেনবা হাঙ্গবা রা অসি পুথোক্লবা হোৎনবদি য়াম্না লাপখ্রবা পোৎনি, রাখন অসি পুক্নিংদা চংহন্নুরবদি কোক ভাঙগদবা রানি। মাসিনা পিকপা চাউবগী রানি। অমুকস্থ রা অমগা লৈরি। ইবুংঙো নংগী অংশগী অংশ, অতুগীস্থ অংশ ওইবা মহাবিষ্ণু. মহাকী হুংশাশোর অতুক্তং হোন্দোকপা অতুগা ঐগী পুন্সিগা মাম্নরিবনি, অস্থুম্না মহাকী শোর হোন্দোক-হোজ্জিন তৌরিবদি মশিং নাইদবনি। অতুম ওইবা মহাক অতুদি অরেপ্পনি (নিত্যনি), মহাকী অংশী (থোরকক্রম মপা) নহাকস্থ অরেপ্পনি, অনাদিনি (নংবু হানবা লৈত্রবানি) অনন্তনি। মরম অসিনা ঐহাক্না ইবুংঙো নংঙোন্দগী কয়া য়াম্না পিকপগে হাঙ্গবত্ৰু কনানা শিংথাবা ওমগনি ? মরম অসিনা খুক্রমজরি প্রভু, ক্ষ অহং—ঐনা কয়াদা পিকখ্রবা, অতুগা ক্ষতে মহিত্বম্—নংগী নগুম্না কয়াদা চাউখ্রবা॥ পুম্নমক অসি খল্লুরগা ঐনা পওতুনা লাক্লুবা পুম্নমক অসি থৌজাল-হৈবা ইবুংঙো নংনা ওাকপিয়ু।

অংশের অংশ যেই—কলা তার নাম।
গোবিন্দের প্রতিমূর্ত্তি শ্রীবলরাম॥ ৬৩
তাঁর এক স্বরূপ শ্রীমহাসঙ্কর্ষণ।
তাঁর অংশ পুরুষ হয় কলাতে গণন॥ ৬৪
যাঁহাকে ত কলা কহি, তেঁহ মহাবিষ্ণু।
মহাপুরুষ অবতারী তেঁহ সর্ব্বজিষ্ণু॥ ৬৫
গর্ভোদ-ক্ষীরোদশায়ী দোঁহে পুরুষ নাম।
সেই দুই যাঁর অংশ—বিষ্ণু বিশ্বধাম॥ ৬৬

অর্থ :-

অংশগী অংশ অমুবু মমিং 'কলা' কৌই।
বলরামদি গোবিন্দগী খেন্নদবা মশক ওই॥ ৬৩
মহাকী স্বরূপ অমনা মহাসঙ্কর্ষণ ওই।
মাগী অংশ পুরুষ, কলাদা চিংগদবা ওই॥ ৬৪
কলা কৌরিবা মহাক অদু মহাবিষ্ণুনি।
মহাপুরুষ অবতারী মহাক্না মকোক্নি॥ ৬৫
গর্ভোদশায়ী-ক্ষীরোদশায়ী পুরুষ অনিসি।
জগৎ-চংফম বিষ্ণুগী অংশনি অনি অসি॥ ৬৬

গৌর-কৃপা-টীকা

৬৩-৬৪। মথক্কী শ্লোক ৮ দা মহাবিষ্ণুবু শ্রীগোবিন্দগী (কৃষ্ণগী) অথম্বা কলানি হাঙ্গখরে। কলা কদাইবু কৌবগে অমসুং মহাবিষ্ণুনা করম্না শ্রীকৃষ্ণগী কলা ওইবগে, মহু পয়ার অনি অসিদা হাঙ্গজরি।

কলা—অংশগী অংশবু কলা কৌই। খেন্নদবা মশক্তি—শ্রীবলরামগা শ্রীকৃষ্ণগা খেন্নদবা মশক্তি। মহাকী মশক অমনা—শ্রীবলরামগী মশক অমনা, বিলাসরূপ অংশনা। মহা-সঙ্কর্ষণ—পরব্যোমচতুর্ব্যূহগী সঙ্কর্ষণ। মাগী অংশ পুরুষ অসিনা চিংবা—শ্রীবলরামগী অংশনা পরব্যোম-চতুর্ব্যূহগী সঙ্কর্ষণ ওই; সঙ্কর্ষণ অসিগী অংশনা কারণার্ণবশায়ী পুরুষ হাঙ্গবদি মরম অসিনা শ্রীবলরামগী অংশগী অংশ হাঙ্গবদি কলানা মহাবিষ্ণু ওই। মরম অসিনা শ্রীবলরামগী অংশগী অংশ হাঙ্গবদি কলানা মহাবিষ্ণু ওই। অদুগা শ্রীকৃষ্ণগা শ্রীবলরামগাদি খেন্নদে; মরম অদুনা মহাবিষ্ণুদি—বলরামগী কলা ওইবা মরম্না—শ্রীকৃষ্ণগীসু অথম্বা কলা ওইরে।

৬৫-৬৬/শ্রীকৃষ্ণগী অথম্বা কলা ওইরিবা অসি মহাবিষ্ণুনি। হৌজিক মহাকী মরমদা খরদং হঙজচরি। মহাক্না অহানবা নীপানি (পুরুষ), অবতার পুম্নমক্কী মরুনি

লঘুভাগবতামৃতে পূর্ব্বখণ্ডে নবমাঙ্কে (২/৯)

সাত্বত তন্ত্রবচণম—

বিষ্ণোস্তু ত্রীণি রূপাণি পুরুষাখ্যান্যথো বিদুঃ।
একন্তু মহতঃ স্রষ্টৃ দ্বিতীয়ং ত্বণ্ডসংস্থিতম।
তৃতীয়ং সর্ব্বভুতস্থং তানি জ্ঞাত্বা বিমুচ্যতে॥ ১০

গৌর-কৃপা-টীকা

পূম্নমক্কী মকোক্লি (মপু, কর্ত্তানি), গর্ভোদশায়ী অমস্তুং ক্ষীরোদশাযী পুরুষ অসি মহাক্কী অংশনি। মহাক্তি মফম খুদিংদা শিন্থ্রনা লৈবনি অমস্তুং জগৎ পূম্নমক্কী চংজফম্নি।

মহাপুরুষ—নিপাশীংগী (পুরুষশিংগী) মপুংদা অথোইনা নীপা (পুরুষ), অহানবা পুরুষ অবতাবী অবতার-কর্ত্ত, অবতার পূম্নমক্কী অপূনবনী মক। মকোক্লি—পূম্নমক্কী মকোক্লি, সৃষ্টি-স্থিতি-প্রলয (শেম্বা-লৈহনবা-মাঙহনবা) গী থবক্ক মবমদা মহাক্লা মক্কনি। মহাবিষ্ণুগী মরমদা শ্রীমদভাগবত্তা হাঙ্গৈরি—"এতান্নানাবতাবাণাং নিধানং বীজমব্যয়ম। যস্যাংশাংশেণ সৃজ্যন্তে দেবতির্য্যঙনবাদয়ঃ॥ অবতাব ময়ামগী তুংনফম ওইবা মহাক অতুনা অরেপ্পা খোরকফম্নি, মহাক্কী অংশগা অংশনা লাই-হিংচাবা মী-নচিংবা শেম্মী। ১।৩।৫॥" গর্ভোদশায়ী-ক্ষীবোদশাযী নচিংবা গর্ভোদশাযী অমস্তুং ক্ষীরোদশাযা কোবা নীপা অনি লৈ, নীপা অনি অসি মহাবিষ্ণুগী অংশনি, থাঙ্গৈশেংবমন অনিশুবা নীপা গর্ভোদশাযী অসি মহাবিষ্ণুগী অংশনি অমস্তুং অহুমশুবা নীপা ক্ষীরোদশাযীনা অনিশুবা নীপাগী অংশনি, মরম অসিনা মহাবিষ্ণুদিগী অংশগা অংশ তাবে, মফম অসিদা শন্নপা অনিবু মহাবিষ্ণুগী অংশনি হাঙ্গৈবে। মহাবিষ্ণুনা হাঙ্গৈবদি কারণার্ণবশাযী পুরুষনা, অনিশুবা অমস্তু, অহুমশুবা পুরুষকী অহানবা ওইবা মবম্না মহাকপু অহানব পুরুষ হাঙ্গৈবে। গর্ভোদশাযীনা ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগা অমদি ব্রহ্মাগী অন্তর্য্যামীনি, ক্ষীরোদশাযীনা জীব খুদিংগী অন্তর্য্যামীনি, অদুগা মহাবিষ্ণুনা প্রকৃতিগী অমদি ব্রহ্মাণ্ড অপুনবগী অন্তর্য্যামীনি। অনিশুবা নাপা গর্ভোদশায়ীনা প্রদ্যুম্ন ওই অমসুং অহুমশুবা নাপা ক্ষীরোদশায়ীনা অনিরুদ্ধ ওই। বিষ্ণু—মফম খুদিং শিন্থ্রনা লৈনা ডম্বা। জগৎ চংফম—মহাপ্রলযদা জগৎ পূম্নমক মহাবিষ্ণুদা চংতুনা লৈ ।১।৫।৬১ পযারগী টীকাদা য়েংবিয়ু। পয়ার ১।৫।৪৭ কী টীকাদা কারণার্ণবশায়ীগী, ১।৫।৫৯ অমসুং ১।৫।৮৫ গী পয়ারগী টীকাদা গর্ভোদশাযীগী অমসুং ১।৫।৯৫ গী টীকাদা ক্ষীরোদশাযীগী মরম ইবিবদা য়েংবিয়ু।

শ্লো ' ১০। অন্বয়। বিষ্ণোঃ (মহাবিষ্ণুগী)। তু-পুরুষাখ্যানি (পুরুষ কোবা) ত্রীনি (অহুম) রূপাণি (মশক) বিদুঃ (খঙনি)। অথঃ (মথোঙ্গী মতুংদা) একম

যদ্যপি কহিয়ে তাঁরে কৃষ্ণের কলা করি।
মৎস্য কূর্ম্মাদ্যবতারের তেঁহো অবতারী। ৬৭

অর্থ

অতুম ওইনমক কৃষ্ণগী কলানি মাবুদি।
অবতারী কৌই মৎস্য-কূর্ম্মনচিংবশীদি ॥ ৬৭

গৌর-কৃপা টীকা

(মশক অমনা) তু মহত: (মহতত্ত্বগী) স্রষ্টৃ (সৃষ্টিকর্তানি), দ্বিতীয়ং (অনিশুবা মশক্লা) তু অণ্ডসংস্থিতং (ব্রহ্মাণ্ডগী ময়াইদা লৈরিবা-ব্রহ্মাণ্ড-অন্তর্য্যামীনি । তৃতীয়ং (অহুমশুবা মশক্লা) সর্ব্বভূতস্থং (জীব খুদিংগী অন্তর্য্যামীনি =ব্যষ্টিজীবান্তর্য্যামী)। তানি (মশক পুম্নমক অদুবু) জ্ঞাত্বা (খঙলগ) বিমুচ্যতে (সংসারদগী কোকই)।

অনুবাদ। মহাবিষ্ণুগী পুরুষ কৌবা মশক অহুম লৈ, মাদুগী মনুংদা অহানবা মশক্লা মহত্তত্ত্বগী সৃষ্টি কর্ত্তানি (প্রকৃতিগী অন্তর্য্যামী কারণার্ণবশাযী সঙ্কর্ষণনি। অনিশুবা মশক্লা ব্রহ্মাণ্ডগী মযাইদা লৈবা ব্রহ্মাণ্ডগী অন্তর্য্যামীনি (গর্ভোদশাযী প্রদ্যুম্ন), অমসুং অহুমশুবা মশক্লা জীব পুম্নমক্কী খুদিংগী অন্তর্য্যামীনি ক্ষীরোদশাযী অনিরুদ্ধনি। । মশক অহুম অসিবু খঙবা ঙমজরবদি সাংসারগী মাযাদগী লাম্তোকপা ঙম্মী। ১০।

শ্লোক অসি মথক্কী পযারগী প্রমাণনি।

৬৭ মথক্কী পযার ৬৫ দা মহাবিষ্ণুবু "অবতারী" নি হাঙ্ঈখরে ; পযার অসিদা মাদুগী মরম পীজরি। মহাবিষ্ণু অসি শ্রীকৃষ্ণগী কলা অমদি অংশগা অংশ ওইববসু মহাক অসি মৎস্য-কূর্ম্মনচিংবা (ঙা-থেঙ্গনচিংবা) অবতারশিংগিদি অংশীনি, অংশীনি হাঙ্ঈদুনা মহাকপু মৎস্য-কূর্ম্মনচিংবা অবতারী হাঙ্ঈরিবনি। ১।৫।৬৫ পযারগী টীকাদা যেংবিয়ু।

মাবুদি মহাবিষ্ণুবুদি। অবতারী—অংশী, থোরকফম ; স্বযং ভগবান শ্রীকৃষ্ণতনা অবতারী মন্নি ; অতুম ওইনমক শ্রীকৃষ্ণগী মশক অমা ওইবা (মাগী অখন্নবা কলা ওইবা) মহাবিষ্ণুদগী মৎস্য-কূর্ম্মনচিংবা অবতার চোংথোককই হাঙ্ঈদুনা মহাবিষ্ণুবু মৎস্য-কূর্ম্মনচিংবগী অংশনি অমসুং মথোঙ্ঈবু মহাবিষ্ণুগী অংশনি : অংশী ওইবা অদুনা মহাবিষ্ণুবু ঙা-থেঙ্গুগী (মৎস্য-কূর্ম্মগী) অবতারী হাঙ্ঈরিবনি।

তথাহি (ভা, ১।৩।২৮)—

এতে চাংশকলাঃ পুংসঃ কৃষ্ণস্তু ভগবান স্বয়ম।
ইন্দ্রারিব্যাকুলং লোকংমৃড়য়ন্তি যুগে যুগে।। ১১
সেই পুরুষ সৃষ্টি-স্থিতি প্রলয়ের কর্ত্তা।
নানা অবতার করে জগতের ভর্ত্তা।। ৬৮
সৃষ্ট্যাদিনিমিত্তে যেই অংশের অবধান।
সেই ত অংশের কহি 'অবতার' নাম।। ৬৯

অর্থ :

পুরুষ অদু সৃষ্টি-স্থিতি-প্রলয়গী কর্ত্তানি।
ভাকপিবা মপুনা অবতার য়াম্না তৌবনি।। ৬৮
সৃষ্টিনচিংবগীদমক অংশহুনা তৌই।
অদুম ওইবা অংশহুবু অবতার কৌই।। ৬৯

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবাননি, মবম অসিনা অবতারী মরুনি অমসুং মহাবিষ্ণুনচিংবা অসি মহাকী অংশ-কলানি, মাদুগী প্রমাণ ওইনা মথাদা "এতে চাংশকলাঃ" নচিংবগী শ্লোক পুথোক্লি।

শ্লো। ১১। অন্বয়নচিংবা মথক্কী অনিশুবা মতাংগী শ্লোক ১৩ দা যেংবিয়ু।

৬৮। মথক্কী পয়ার ৬৫ শুবদা মহাবিষ্ণুবু পূম্নমক্কী মকোক্লি-কর্তানি হাঙ্গৈথরে, পয়ার অসিদা মাদুগী মরম পীক্লরি। মহাক্না জগৎকী সৃষ্টি, স্থিতি অমসুং প্রলয়গী মপুনি, মহাক্না জগৎকী মঙ্গলগীদমক (যাইফনবগীদমক) মথল-মথা অয়াম্বা অবতারবু কুমথহন্দুনা (অবতীর্ণ তৌহন্দুনা) জগৎকী কান্নবা তৌই, মরম অদুনা ইবুংঙো মহাকপু পূম্নমক্কী মকোক, কর্ত্তা হাঙ্গৈরিবনি।

অবতার য়াম্না—লীলাবতার, যুগাবতার, মন্বন্তরাবতার।

৬৯। মথক্কী পয়ারদা অবতারগী রা হাঙ্গৈথরে, তৌইশুবমসুং অবতার কদাইবু কৌবগে ? মাদুগী পাওখুম পীজবি। সৃষ্টিগী (লেশেম্বগী) থবক্তৌচিংবগীদমক ভগবানগী অংশ ওইবা পরব্যোমদা লৈরিবা অদুনা মাগী ধামদগী ব্রহ্মাণ্ডা জগৎতা ফোংদোক্লে, অদুম ওইবা অংশ অদুবু অবতার কৌই।

সৃষ্টিনচিংবগীদমক—সৃষ্টি, স্থিতি, প্রলয়নচিংবগীদমক।

আদ্য অবতার-মহাপুরুষ ভগবান।
সর্ব্ব অবতারবীজ সর্ব্বাশ্রয়-ধাম।। ৭০

অর্থ :—

অহানবা অবতার মহাপুরুষ ভগবান্নি।
অবতার মায়ামগী মরু ময়ামগী চংফম্নি।। ৭০

গৌর-কৃপা-টীকা

৭০। মী পুন্নমক্কা খঙনৈ, মাচুদি—ব্রহ্মা.—বিষ্ণু—শিব অহুম অসিনা ব্রহ্মাণ্ডগী সৃষ্টি-স্থিতি-প্রলয় (শেম্বা—লৈহনবা-শিহনবা) কর্ত্তানি (মপুনি) অমসুং অনিশুবা পুরুষ-গর্ভোদশায়ীনা ব্রহ্মানচিংবা অবতাবগী নক্কবা মপানি হাঙ্গৈবদি অংশীনি (থোরকফম্নি অহু ওইরবদি মহাবিষ্ণুনা সৃষ্টি-স্থিতি-প্রলয়গী কর্ত্তানি অমসুং অবতার অয়াম্বগী-মরুনি হাঙ্গৈরিবা কব্রিগীনো ?

য়াহং অসি পয়ার অসিদা খুমজরি। সৃষ্টি-স্থিতি-প্রলয়গী কর্ত্তা ব্রহ্মানচিংবগী মরুদি অনিশুবা পুরুষনি অমসুং অনিশুবা পুরুষকী মরুনা মহাবিষ্ণুনি অহুনা ব্রহ্মানচিংবগীসু মহাবিষ্ণুনা মরু ওইকম থোক্লে অমসুং অনিশুবা নীপা=পুরুষদগী ব্রহ্মানচিংবনা ফংলিবা শক্তি অহু মহাবিষ্ণুগী শক্তিদগী চেম্বরকপা ওইবনা মহাবিষ্ণুনা শেম্বনচিংবগী (সৃষ্টিনচিংবগী) কর্ত্তানি (মপুনি) হায়রিবনি ; মতৌ অসুম তৌহুনা ব্রহ্মানচিংবা অবতারগী মরুদি মহাক্না (মহাবিষ্ণুনা) ওইরে ; অহুগা মথকী পয়ার ৬৭ কী মতুংইন্না ঙা-থেঙ্গুনচিংবা (মৎস্য-কূর্ম্মনচিংবা) অবতারগীসু মহাক্না মরুনি ; মরম অহুনা মহাবিষ্ণুনা অবতার পুন্নমকী মরুনি—অংশীনি, মরম অসিনা মহাকপু অবতাবী অমদি অবতার পুন্নমকী অংশী হাঙ্গৈবদি থোরকফম্নি হায়রিবনি।

অহানবা অবতার—ভগবান মহাবিষ্ণুনা অহানবা অবতারনি। ৫অবতার পুন্নমকী মরুনি (অংশীনি) হাঙ্গৈহুনা মহাকপু অহানবা অমদি অবতার মরুনি হায়রিবনি। অহুগা সৃষ্টিনচিংবগীদমক মহাবিষ্ণুনা মায়াজগৎ অসিদা মশামরুদি অবতার তৌদে, অহু ওইরবসু মহাকপু অহানবা অবতারদি অহুম মহাঙ্গৈরে। মহাপুরুষ—পয়ার ৬৫ গী টীকাদা য়েংবিযু ; মহাবিষ্ণুনি। অনিশুবা পুরুষসু মহাবিষ্ণুদা চংজৈ অহুনা মহাক অসি পুন্নমকী চংজফম্নি। পয়ার অসিগী প্রমাণ ওইবা মথাদা শ্লোক অমহং উচ্চরি।

তথাহি (ভা, ২ । ৬ । ৪২)

আদ্যোঽবতারঃ পুরুষঃ পরস্য কালঃ স্বভাবঃ সদসন্মনশ্চ ।
দ্রব্যং বিকারো গুণ ইন্দ্রিয়াণি বিরাট স্বরাট স্থাস্নু চরিষ্ণু ভূম্নঃ ॥ ১২

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্লো । ১২ । অন্বয় । পরস্য ভূম্নঃ (শকক্তমদা অমসুং শক্তিদা—পাঙ্গন্দা খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকপা ভগবাননগী—মকম খুদিংদা লৈবিবা ভগবাননগী) আদ্যঃ (অহানবা) অবতারঃ । অবতার) পুরুষঃ (কারণার্ণবশায়ী) , কালঃ (মতম) স্বভাবঃ (স্বভাব), সদসৎ (থবক্কী মপা ওইবা প্রকৃতি), মনঃ (মহত্তত্ত্ব=অচৌবা তত্ত্ব), দ্রব্যং (মহাভূত) বিকার (অহঙ্কার), গুণঃ (সত্ত্বনচিংবা গুণ), ইন্দ্রিয়ানি (ইন্দ্রিয় পুম্নমক), বিরাট (ব্রহ্মাণ্ডগী মশক ওইবা হকচাং অপুনবা—সমষ্টি শরীর), স্বরাট (সমষ্টি-জীব হিরণ্যগর্ভ), স্থাস্নু (চৎপ-ঙম্বা স্থাবর) চরিষ্ণু (চৎপ-ঙমদবা- উ, চীংনচিংবা—জঙ্গম) বিভূর্তয়ঃ (বিভূতিনি, ঐশ্বর্য্যানি) ।

অনুবাদ । ব্রহ্মানা হায়রম্মী, হে-নারদ মশক্তা অমসু পাঙ্গন্দা খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকপা শ্রীভগবাননগী অহানবা অবতারদি প্রকৃতি হোৎকম অহানবা পুরুষ কারণার্ণব-শায়ীনি । অতুগা, মতম, স্বভাব (রাখন), থবক্কী মপা (হায়বদি মপু কর্তা) ওইবা প্রকৃতি, মহত্তত্ত্ব, অতিযানচিংবা (আকাশনচিংবা) মহাভূত মঙা, অহঙ্কার তত্ত্ব, সত্ত্বনচিংবা গুণ অহুম, ইন্দ্রিয় পুম্নমক, ব্রহ্মাণ্ডগী মশক ওইবা পাতালনচিংবা অপুনবা হকচাং—সমষ্টিশারীর (বিরাট), অপুনবা জীবগী মশক ওইবা হিরণ্যগর্ভ, অচৎ-চত্তনচিংবা (স্থাবর, জঙ্গমচিংবা) পুম্নমক অসিদি অতুম ওইবা ভগবাননগী অবতারনি হায়বদি মহাক্না পুথোকপা ভাক্তনি । ১২

আদ্য অবতারঃ অহানবা অবতারদি (মনিংতম্না ফোংদোরকপদি) পুরুষঃনি—প্রকৃতিগী হৌদোরককম কারণার্ণবশায়ীনি । কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা শক্তি পুম্নমক্কী মপু ওইবা পরমেশ্বরগী অহানবা অবতারনি , মহাক্না মনীংতম্না অচম্বা বৈভবতা অবতীর্ণ ওই (শ্রীজীব) মহাক অসি মকোক লিশিং অমা পানর্বনি (শ্রীধরস্বামী) । মহাক্কী বিভূতি করি করিনো হাঙৈবহ্ হায়জরি—মতম, স্বভাব অসিনচিংবা ।

মথক্কী শ্লোক্তা উৎলিবা কাল, স্বভাব (প্রকৃতিগী স্বভাব) অমসুং প্রকৃতি—অহুম অসিনা শক্তি ওইবা অবতারনি , মহত্তত্ত্ব, মহাভূত মঙা, অহঙ্কারতত্ত্ব, সত্ত্বনচিংবগুণ অহুম,

তত্রৈব (১।৩।১)—

জগৃহে পৌরুষং রূপং ভগবান মহদাদিভিঃ।
সম্ভূতং সোড়শকলমাদৌলোক সিসৃক্ষয়া॥ ১৩

গৌর-কৃপা-টীকা

ইন্দ্রিয তবামাথোই, বিবাট হাঙৈব দ অপুনবা হুকচাং (সমষ্টিশবীব) স্ববাট অমদি অপুনবা জীব. অচৎ-চত্ত-পুন্নমক অসিনা থবক ওইবা অবতারনি। শক্তি ওইবা অমসু থবক ওইবা অবতার পুন্নমক্কী অহানবদি কারণার্ণবশাযী পুকষনি হাযহুনা মহাকপু অহানবা অবতাব হাঙৈবিবনি। শ্রোক অসি মথক্কী পযারগী প্রমাণ্নি।

শো ১৩। অন্বয়। ভগবান (শ্রীভগবান) আদৌ (অহানবদা—লৈসেম্বগী অহানবা হৌবকপদা) লাকসি সৃক্ষয়া (মী-শেম্নগে হাঙৈনা নীংলকপদা) মহদাদিভিঃ (মহত্তত্ত্ব, অহঙ্কাবতত্ত্ব, পঞ্চতন্মাত্র—পৃথিবীনচিংবা ভূত মঙাগী অকুপ্পা ম পুন্নমক আসনা) সম্ভূতং (চংখোন্নতিনবা) সোড়শকলং (ইন্দ্রিয তবামাথোই অমসুং মহাভূত মঙা—পুন্না মবম তবা তকক্কা তিনবা) পৌরুষং (নীপানী) রূপং (মশক) জগৃহে (ফো দোক্লে)।

অনুবাদ হে ঋষিশিংবু, লৈসেম্বগী হৌরকপদা শ্রীভগবান্না মী শেম্নগে হাঙৈনা নীংলকপদা মহত্তত্ত্বনচিংবনা চংখোন্নতিনবা অমসুং ইন্দ্রিয তরামাথোইগা পঞ্চমহাভূত (মহাভূত মঙা) গা মবম তরা তকক অসিনা তিনবা নীপাগা মশক ওইনা (শ্রীকারণার্ণবশাযী ওইনা) ফোংদোক্লে। ১৩

মহদাদিভি:—মহৎ বাহৈনা মহত্তত্ত্ব অমসুং আদি বাহৈনা অহঙ্কাব তত্ত্ব অমসুং পঞ্চতন্মাত্রবু (রূপ, রস, গন্ধ, স্পর্শ অমসুং শব্দবু) খঙনৈ সোড়শ কলম—কলা তবাতকক্কা তিনবা, ইন্দ্রিয তরামাথোই অমসুং পঞ্চমহাভূত (লৈবাক, ঈশিং, মৈ, নুংশিং অমসুং আকাশ) পোংলম তরাতকক্কা তিনবা। শ্লোক অসিদা হাঙৈরি, মহাবিষ্ণুগী মশক্তি অহঙ্কার তত্ত্ব, অমসুং পঞ্চতন্মাত্রনা তিনবনি, অমসু ইন্দ্রিয় তরামাথোইগা পঞ্চমহাভূত-কা অসিনি মহাক্কী অংশনি (মহাক্না পুথোকপনি)। থাক্লৈশংবদি ভগবান মহাবিষ্ণুগী মশক্তি অসিগুম্বা নত্তে, অতুম ওইনমক কলা-কলাংশ্বনা বিরাট জীবান্তর্যামী {অপুনবা (সমষ্টি)-ব্রহ্মাণ্ডগী অন্তর্যামী} ভগবান মহাবিষ্ণুবু বিরাট-রূপ ওইনা নীংজনীংবশিং অতুগী খুদোংচাননবগীদমক মতৌ অসুম্না শিংথাজবে (শ্রীধরস্বামীনা)। শিংথাবা অসিদা সমষ্টি ব্রহ্মাণ্ডবু পুন্নবকী হুকচাং ওইনা শিংথাজবি।

যদ্যপি তিহোঁ সর্ব্বাশ্রয় তাঁহাতে সংসার ।
অন্তরাত্মারূপে তিহোঁ জগত আধার ॥ ৭১
প্রকৃতি সহিতে তাঁর উভয় সম্বন্ধ
তথাপি প্রকৃতি সহ নহে স্পর্শ গন্ধ ॥ ৭২

অর্থ :—

মাঙোন্দা সংসার লৈ, মানা পুম্নমক্তসু লৈ ।
থরাই ওইনা মহাক্না জগত্তা চংহুনা লৈ ॥ ৭১
লৈনরিবা মরী অনি প্রকৃতিগা মাগা ।
শোক্লবগী মনম লৈতে, মাগা প্রকৃতিগা ॥ ৭২

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্রীজীব গোস্বামীনা মহাক্কী ক্রমসন্দর্ভ কৌবা টীকাদা হায়রম্মী, মহদাদিভিঃ সম্ভূতং রূপম্—মহত্তত্ত্বনচিংবগা তিন্নরবা মশক্কি । ভগবান্না ফোংদোক্লিবা মশক অদু মহত্তত্ত্বনচিংবগা তিন্নরবনি, অচম্বা (প্রাকৃত) প্রলয়দা জগৎপ্রপঞ্চ অসি সূক্ষ্মরূপে (অকুপ্পা মওংদা) ইবুংঙো মহাক্কী মশক অদুদা তিনখিরম্মী, সৃষ্টিগী (লৈশেম্বগী) হৌরকপদা তিনখিবা মশকশিং অদু অমুক মহাক্না পুথোকখি । "প্রাকৃতপ্রলয়ে স্বস্মিন্লীনং সংপ্রকটতয়া স্বীকৃতবান ।" করি মরমগীদমক মশক অদু পুথোক্লিবনো ? লোকসিসৃক্ষয়া—মীওইবা অসি শেম্নীংবগীদমক । অনন্তকোটি জীবগী মশক ওইবা অনন্তকোটি ব্রহ্মাণ্ড অসি অকুপ্পা মওংদা ইবুংঙো মাঙোন্দা তিল্লম্মী ; ব্রহ্মাণ্ডনচিংবা পুম্নমক অদু অচৌবা মওংদা ফোংদোক্লবগীদমক পুথোক্লিবনি । "তস্মিন্নেব লীনানাং লোকানাং সমষ্টিব্যষ্ট্যুপাধিজীবানাং । প্রাদুর্ভাবনার্থমিত্যর্থঃ ।" ইবুংঙো, মহাক্না ফোংদোক্লিবা শক্তম অদুগী মমিং পুরুষ কৌই, কারণার্ণবশায়ী পুরুষ কৌই অমসুং ষোড়শকলং—কলা তরাতরুক্না মপুংফানা তিনবনি । সৃষ্টিগীদমক পুরুষ অসিনা ফোংদোকপা মতমদা জগৎ শেম্বদা চঙ্গদবা শক্তি পুম্নমক অদু মপুং ফানা লৈহন্দুনা ফোংদোকই । "ষোড়শকলং তৎসৃষ্ট্যুপযোগিপূর্ণশক্তিরিত্যর্থঃ ।" রূপ হকচাং অসিবু ফোংদোক্লিবা মহাক অদু ভগবান (পরব্যোমাধিপতি) নি হায়বদি ফোংদোক্লিবা মশক অদু কারণার্ণবশায়ীনি অমসুং শেমগদৌরিবা পোৎ পুম্নমক অদুদা মহাক্না চংহুনা লৈ— হায়হুনা. মহাক্না পুম্নমক অদুগী অন্তর্যামী পরমাত্মানি । "তদেবংযস্তদ্রূপং জগৃহে, স ভগবান । যত্তু তেন গৃহীতং তত্তু স্বস্যজ্ঞানামাশ্রয়ত্বাৎ পরমাত্মেতি পর্য্যবসিতম্ ।" কারণার্ণবশায়ীনা প্রকৃতিগী হায়বদি অপুনবা ব্রহ্মাণ্ডগী অন্তর্য্যামীনি ।

লৈসেম্বগী থবক অসি হৌগংলকপা মতমদা থবক পাঙথংনবগীদমক ফোংদোক্লক্লিবা ভগবৎকী মশক অসি মহাবিষ্ণুনি, মরম অদুনা মহাবিষ্ণুনা অহানবা অবতারনি হায়বা অসি উহল্লীংবদগী শ্লোক অসি চিংথংলিবনি ।

৭১-৭২ । মথক্কী পয়ার ৬২—৬৬তা হায়খ্রে -মহাবিষ্ণু অ'স ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কী চংফম্নি ; অদুগা পয়ার ৫৯ দা হায়খ্রে, ব্রহ্মাণ্ড খুদিংগী মনুংদা মহাক্না মশা (মশক)

তথাহি (ভা, ১।১১।৩৯)—
এতদীশনমীশস্য প্রকৃতিস্থোঽপি তদ্গুণৈঃ।
ন যুজ্যতে সদাত্মস্থৈর্যথা বুদ্ধিস্তদাশ্রয়া॥ ১৪
এইমত গীতা তেহো পুনঃ পুনঃ কয়।
সর্ব্বদা ঈশ্বরতত্ত্ব অচিন্ত্য শক্তি হয়॥ ৭৩

অর্থ :—

য়াওাং'সি গীতাদসু হন্না-হন্না হাঙ্গৈবনি।
ঈশ্বর তত্ত্বদি অঙকপা শক্তি ওইরিবনি॥ ৭৩

গৌর-কৃপা-টীকা

অমমম পুথোক্তুনা অন্তর্য্যামী ওইনা লৈ মরম অতুনা ব্রহ্মাণ্ড অসি মহাক্কী চংফম্নি হাঙ্গৈবদি লৈফম্নি, অতুগা মাঙোন্দস ব্রহ্মাণ্ডগী চংজফম হাঙ্গৈবা অতু ওই। মতৌ অসুম তৌনা মহাবিষ্ণুদা প্রকৃতিগী (অচম্বা ব্রহ্মাণ্ডগী) চংফমসুওইবে অমসুং মহাবিষ্ণুনা চংজরক্লিবসু ওইরে। মতৌ অসিদা ইবুংঙো মহাক্কা প্রকৃতিগা অনিগী মমুংদা লৈনরিবা মরী অসি মথল অনি থোক্লা লৈনরে; মরম অসিনা প্রকৃতিগা মহাবিষ্ণুগা অনি অসি শোক্নফম থোক্লে, মরমদি শোক্নদ্রবদি চংফম-লৈফম—চংজরক্লিবা ওইবা য়াদে। অসিগুম্বা চিংনবা অসি কোক্নবগীদমক হায়জরি—অচম্বা পোংক্কী মফমদদি শোক্নবা নত্তনদি লৈফমসু ওইবা য়াদে হায়বা চুম্মা, তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী মফমদদি ইবুংঙো মহাক্কী অঙকপ শক্তিগী পাঙ্গম্না প্রকৃতিগা মহাবিষ্ণুগা অমনা অমগী লৈফম-চংফম—চংজবক্লিবা ওইবগী মরী থোক্নবসু মথোঙ্গ অনিদি অমনা অমবু শোক্নবা লৈতে।

মাঙোন্দা মহাবিষ্ণুগী মমুংদা। মানা—মহাবিষ্ণুনা। সংসার—ব্রহ্মাণ্ড। থরাই ওইনা—অন্তর্য্যামী ওইনা (ব্রহ্মাণ্ডগী মমুংদা লৈ হাযদুনা)। জগত্তা চংদুনা লৈ—অন্তর্য্যামী ওইনা ব্রহ্মাণ্ডগী মমুংদা লৈ হায়দুনা ব্রহ্মাণ্ড অসি মহাক্কী লৈফম্নি-তুংফম্নি। শোক্নবগী মনম লৈতে—শুকশোক শোক্নদে। মাতুগী প্রমাণ ওইনা মখাদা শ্লোক অমতং উচ্চরি।

শ্লো। ১৪। অন্বয়নচিংবদি মথক্কী অনিশুবা মতাংগী শ্লোক ১১ শুবদা য়েংবিয়ু।

৭৩। প্রকৃতিগা মহাবিষ্ণুগা অমনা অমগী চংফম-চংজবক্লিবা থোক্নবগী মরী অনি থোক্লা লৈনরবসু শোক্নদে, পান্দমদি "এতদীশনমীশস্য" নচিংবা শ্লোক্তা শ্রীমদভাগবত্তা হায়রি, অতুগুম্না "ময়াততমিদং" নচিংবা (৯।৪।৫) শ্লোক্তা শ্রীমদভাগবত গীতাদসু হায়রি। ঈশ্বরগী শিংথাবা ওমদবা অঙকপা স্বরূপ শক্তি॥ পাঙ্গম্না শোক্নদনা (পক্নবা লৈত্তনা) লবা ওন্নিবনি। ১।৪।৯ শ্লোক্কী টীকাদা য়েংবিয়ু।

আমি ত জগতে বসি জগত আমাতে।
না আমি জগতে, বসি না আমায় জগতে॥ ৭৪
অচিন্ত্য ঐশ্বর্য্য এই জানিহ আমার।
এই ত গীতার অর্থ কৈল পরচার॥ ৭৫

অর্থ :—

ঐহাক জগত্তা লৈ জগৎস্ত লৈ ঐঙোন্দা।
ঐ জগত্তা লৈতে জগৎস্ত লৈতে ঐঙোন্দা॥ ৭৪
খঙজু ঐহাক্কী অচকপা ঐশ্বর্য্য লৈবনি।
গীতাগী অর্থ অসুম্না তৌজরবনি॥ ৭৫

গৌর-কৃপা-টীকা

মোং অসি—শ্রীমদভাগবতকী "এতদীশনমীশস্য" নচিংবা শ্লোকী মতৌগুম্না। গীতাদস্তু—শ্রীমদভগবতগীতাদস্ত। গীতাগী শ্লোকশিং অহুদি অসিনি: "ময়া ততমিদং সর্ব্বং জগদব্যক্তমূর্ত্তিনা। মৎস্থানি সর্ব্বভূতানি ন চাহং তেষ্ববস্থিতঃ॥ ন চ মৎস্থানি ভূতানি পশ্য মে যোগমৈশ্বরম। ভূতভৃন্ন চ ভূতস্থো মমাত্মা ভূতভাবনঃ॥ ৯। ৮—৫॥ মতুংগী পযার অনিদা শ্লোক অনি অসিগী অর্থ মচং ফোংদোক্নি। অচকপ শক্তি—খাখন্না লাম্বা ফংদবা শক্তি। ঈশ্বর তত্ত্বদি মতম লেবা খিনিক্তা ব্রাখন্না লাম্বা ফংদে, ঈশ্বরগী শক্তিগী মশক্তি যুক্তি তর্কনচিংবনা পুথোকপা ঙমদে। "অচিন্ত্যা. খলু যে ভাবা ন তাং স্তর্কেণ যোজয়েৎ। ব্রহ্মসূত্র ২ ১। ২৭ সূত্রের সঙ্করভাষ্যধৃত পুরাণ বচন॥'

৭৪—৭৫। গীতাগী শ্লোক অনিগী অর্থমচং পযার অনিদা ফোংদোকচরি। পযার অনি অসি শ্রীকৃষ্ণনা হাঈবনি।

ঐহাক জগত্তা লৈ—শ্রীকৃষ্ণনা হাঈ, ঐ জগত্তা অমসুং ব্রহ্মাণ্ডদা লে, মরম অদুনা ব্রহ্মাণ্ড অসি ঐগী চংফম্নি, লৈফম্নি। জগৎস্ত লৈ ঐঙোন্দা—জগৎ হায়বদি ব্রহ্মাণ্ডস্তু ঐঙোন্দা লৈ, মরম অদুনা ঐ অসি ব্রহ্মাণ্ডগী চংফম্নি। মতৌ অসুম্না ব্রহ্মাণ্ডগা ঐগা চংফমগী মরমদা মরী লৈনৈ। অদুম ওইনমক ঐ জগত্তা লৈতে নচিংবা—ঐস্তু জগত্তা লৈতে, হায়বদি জগৎ অসি ঐগী চংফম-তুংফম ওইরবস্তু জগৎপু ঐনা শোক্তে অমসুং জগৎকী তুংফম-চংফম ওইরবস্তু ঐঙোন্দা জগৎনা শোকপা ঙমদে।"

সেই ত পুরুষ যার 'অংশ' ধরে নাম।
চৈতন্যের সঙ্গে সেই নিত্যানন্দ রাম॥ ৭৬
এই ত নবম শ্লোকের অর্থ বিবরণ।
দশম শ্লোকের তথ শুন দিয়া মন॥ ৭৭

তথাহি শ্রীস্বরূপ গোস্বামী—কড়চায়াম-

যস্যাংশাংশঃ শ্রীলগর্ভোদশায়ী
যন্নাভ্যব্জং লোকসংঘাতনালম্।
লোকস্রষ্টুঃ সূতিকাধাম ধাতুস্তং
শ্রীনিত্যানন্দ রামং প্রপদ্যে॥ ১৫

অর্থ :—

অদুম্বা পুরুষ অদুবু, পুথোক্লিবা অদুনা।
চৈতন্যগা লোইনৈ নিত্যানন্দ রাম কৌদুনা॥ ৭৬
মাপন শুবা শ্লোককী অর্থ লোইরে মাসিনা।
তরাশুবা শ্লোককী অর্থ তাবিয়ু পুক্নিং চংনা॥ ৭৭

গৌর-কৃপা-টীকা

অড়কপা ঐশ্বর্য্য লৈবনি শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা হায়, চংথোক-চংসিনগা মরমদা মরী লৈনরবা জগৎক। ঐগাদি শোক্লদে, মাসিগী মরমদি ঐড়োন্দা অংকপা ঐশ্বর্য্য (তৌবঙম্বা) লৈবননি হায়না খঙ্গদবনি।

৭৬। অদুম্বা পুরুষ অদুবু—মহ নর অবতার ইবুংঙো অদুবু, মহাক্না সৃষ্টি-স্থিতি-প্রলয়গী (লৈশেম্বা-লৈহনবা-শিহনবগী) মপু ওইরিবা, জগৎ পূম্নমক্কী চংজফম ওইবা অমসুং গর্ভোদশায়ী-ক্ষীরোদশায়ী পুরুষপু মহাক্কী অংশ ওইবা, দা-থেঙ্গনচিংবা অবতারগী অংশী ওইবা অমসুং প্রকৃতিগী চংফম ওইবা অমসুং তুঙফম-লৈফম ওইরবসু প্রকৃতিগা মহাক্কা শোক্লদবা, অদুম ওংবা অড়কপা শক্তি লৈবা মহাবিষ্ণু কারণার্ণবশায়ী পুরুষ অদুবু (অংশ ওইনা পুথোক্লিবা শ্রীবলরাম অদুনা হৌজিক শ্রীনিত্যানন্দ ওইদুনা শ্রীচৈতন্যগা লোইননা ডান্থোক্লবরে)। নিত্যানন্দ রাম - শ্রীনিত্যানন্দগী মশক ওইরম্বা রাম হায়রবদি বলরাম। "মায়া ভর্ত্তাজাণ্ড" নচিংবা ৭ শুবা শ্লোকক্কী অর্থ পয়ার ৬সিদা লোইজরে।

৭৭। মাসিনা—পয়ার ৪৩—৭৬ মাসিনা মাপন শুবা শ্লোককী—অহানবা মতাংগী "মায়া-ভর্ত্তাজাণ্ড" নচিংবা শ্লোককী। তরাশুবা শ্লোককী—অহানবা মতাংদা ইরিবা "যস্যাংশাংশঃ" নচিংবা শ্লোক।

শ্লোক। ১৫। অন্বয়নচিংবদি মথক্কী অহানবা মতাংগী শ্লোক ১০ শুবদা য়েংবিয়ু। শ্লোক অসিগী অর্থ মচংদি মতুংগী পয়ার পূম্নমক্না ফোংদোক্লি। শ্লোক অসিদা গর্ভোদশায়ীগী তত্ত্ব (শুরুশিদবগী) হাঙ্গজরি। মহাক মহাবিষ্ণুগী অংশনি।

সেই পুরুষ অনন্ত ব্রহ্মাণ্ড সৃজিয়া।
সব অণ্ডে প্রবেশিলা বহুমূর্তি হঞা॥ ৭৮
ভিতরে প্রবেশ দেখে—সব অন্ধকার।
রহিতে নাহিক স্থান, করিল বিচার॥ ৭৯
নিজ অঙ্গে স্বেদজল করিল সৃজন।
সেই জলে কৈল অর্দ্ধ ব্রহ্মাণ্ড ভরণ॥ ৮০

অর্থ :-

অনন্ত ব্রহ্মাণ্ড শেম্নগা পুরুষ অদুনা।
খুদিংমক্তা লৈরে মূর্ত্তি য়াম্না পুথোকুনা॥ ৭৮
মনুংদা চংদুনা য়েংই পুম্নমক মম্মী।
লননবা মফম লৈতে বিচার তৌরম্মী॥ ৭৯
মাগী মশাদগী হুমাংনা ঈশিং শেম্নে।
ঈশিং অদুনা ব্রহ্মাণ্ড তংখাই অমা থম্লে॥ ৮০

গৌর-কৃপা টীকা

৭৮। কারণার্ণবশায়ী পুরুষনা অনন্ত (মশিং নাইদবা) ব্রহ্মাণ্ড শেম্নগা ব্রহ্মাণ্ড খুদিংমক্তা মূর্ত্তি অমমম চংদুনা লৈরে "প্রত্যাণ্ডমেবমেকাংশাদেকাংশাদ্বিশতি স্বয়ম। ব্র, সঃ। ৫। ১৪। তৎসৃষ্ট্বা তদেবানুপ্রাবিশৎ শ্রুতি।' পুরুষ অদুনা—কারণার্ণবশায়ী পুরুষ অদুনা। খুদিংমক্তা লৈরে-মহাবিষ্ণুনা মূর্ত্তি যাম্না পুথোকুনা (হায়বদি ব্রহ্মাণ্ড মশিংগা মান্নবা মূর্ত্তি পুথোকুনা। মূর্ত্তি অমমম্না ব্রহ্মাণ্ড অমমমদা চংদুনা লৈরে।

৮০। মাগী মশাদগী হুমাং থোরকপা অদুনা চাউরবা ঈশিং ঈপাক অমা ওইরদুনা ব্রহ্মাণ্ড অসি তংখাই অমা থল্লে। মহাক্না ঈশিং অদুদা চেপ্তুনা লৈরে, মাদুগী প্রমাণ্তি "যস্যাম্ভসি শয়ানস্য" নটিংবা শ্রীমদভাগবত কী ১।৩।২ শ্লোক্তা ফংই। শ্লোক অদুগী টীকাদা শ্রীজীব গোস্বামীনা ইরম্মী "যস্য পুরুষস্য দ্বিতীয়েন ব্যূহেন ব্রহ্মাণ্ডং প্রবিশ্য অম্ভোসি গর্ভোদকে শয়ানস্য ইত্যাদি যোজ্যম। অদুম ওইবা অহানবা পুরুষ কারণার্ণব-শায়ীগী অনিশুবা ব্যূহ হাঈরবদি অনিশুবা মশক্না অশেষ্ব ব্রহ্মাণ্ড খুদিংদা চংদুনা অদুম ওইবা ব্রহ্মাণ্ড অদুগী গর্ভদা লৈরিবা ঈশিং অদুদা হিপ্তুনা লৈরে।" মাসিদগী খণ্ডবা ওয়ে, অনিশুবা পুরুষনা ব্রহ্মাণ্ডগী মনুংদা চংদুনা ব্রহ্মাণ্ডগী গর্ভদা লৈবা ঈশিংদা হিপ্তুনা লৈরে, মরম অদুনা মহাকপু গর্ভোদশায়ী পুরুষ হাঈরিবনি। তৌইগুম্বসুং মফম অদুদা

ব্রহ্মাণ্ড প্রমাণ—পঞ্চশতকোটি যোজন।
আয়াম বিস্তার হয়ে দুই এক-সম। ৮১
জলে ভরি অর্দ্ধ তাহা কৈল নিজবাস।
আর অর্দ্ধে কৈল চৌদ্দ ভুবন প্রকাশ। ৮২

অর্থ : -

ব্রহ্মাণ্ডনা চাউবদি যোজন কোটি য়াংখৈনি।
মরাক্কা মযুংগা অনিমক চপ মান্নবনি।। ৮১
ঈশিংনা থল্লবা তংখাই অতুদা মশা লৈরে।
অতোপ্পা তংখাইদা ময়োন তরামরি লৈরে।। ৮২

গৌর-কৃপা-টীকা

মহাক্কা কদাইদগী ঈশিং ফংলে? মথক্কী শ্লোক্কী টীকাদা শ্রীলবিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীনা হাঈ—"একৈকপ্রকাশেন প্রবিশ্য স্বসৃষ্টে গর্ভোদে শয়ানস্থ—শক তমমম ওইনা ব্রহ্মাণ্ড অমমমদা চংদুনা মফম অতুদা মশানা ঈশিং শেমজরে অমসুং অতুম ওইবা অশেষ্ন ঈশিং অতুদা হিপ্পুনা লৈরে।"

৮১। ব্রহ্মাণ্ডগী পিকপা-চাউবগী মরম পীজরি। ব্রহ্মাণ্ডনা চাউরিবসি যোজন কোটি য়াংখৈনি, মরাক-মযুং মান্নবনি। অতোপ্পা মফমদা হাঈরি, "ব্রহ্মাণ্ড অসিদি যোজন কোটি য়াংখৈনি। করিগুম্বনা ব্রহ্মাণ্ডনা কোটি চামনি, করিগুম্বনা লক্ষকোটিনি। করিগুম্বনা নিযুত কোটিনি, করিগুম্বনা কোটি কোটিনি।। ২।২১।৬৮—৬৯।।" মাসিদা ঐখোঈনা খঙবা ওল্মী, পযার অসিদা হাঈবিবা যোজন কোটি য়াংখৈনি হাঈরিবা অসি ঐখোঈনা লৈনিবা ব্রহ্মাণ্ড অসিবুনি। ব্রহ্মাণ্ড (পৃথিবী) অসি কোইবক-কোই হাঈদুনা মবাক-মযুং মান্নে হাঈরিবনি। মাইল নীপাল্লা যোজন অমা শাই।

৮২। ব্রহ্মাণ্ডগী তংখাই অমা, মশাগা ছুমাংনা ওইবা ঈশিংনা থনপ্লে, অতুম ওঙবা ঈশিং অতুদা ইবুংঙো মহাক্কা লৈরে। অতুগা অতোপ্পা তংখাই অতুদা লৈবাক ময়োন তরামরি ফোংদোক্লে। ১।১।১০ শ্লোক্কী টীকাদা য়েংবিয়ু। পযার ৯০—৯১ দা য়েংবিয়ু।

তঁহাঞি প্রকট কৈল বৈকুণ্ঠ নিজধাম।
শেষ শয়ন-জলে করিল বিশ্রাম॥ ৮৩
অনন্তশয্যাতে তাহাঁ করিল শয়ন।
সহস্র মস্তক তাঁর সহস্র বদন॥ ৮৪

অর্থ :—

মাতুদা মশাগী লৈফম বৈকুণ্ঠধাম শেম্লে।
শেষ-না ঈশিং মথক্তা পোথাবা ওইনা চেপ্লে॥ ৮৩
অনন্ত-ফমুংদা মহাক্না চেপ্তুনা লৈরে।
অনন্তগী মকোক মাইথোং লিশিং অমা ওইরে॥ ৮৪

গৌর-কৃপা-টীকা

৮৩। মাতুদা—ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা হুমাংগী ঈশিং অতুদা। বৈকুণ্ঠ—পরব্যোমদা ভগবংকী মশক খুদিংমক্কী মশ-মশাগী লৈফম ধাম লৈ, অতুম ওইবা ধাম অতুস্সু চিন্ময়নি মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা চংপা ভুবনি অনন্যনি বিভূনি (লাইনি) অমস্বং ধাম খুদিংগী মমিংস্সু বৈকুণ্ঠ কৌই। ইবুংঙো মহাক্না ব্রহ্মাণ্ড মনুংদা চংদুনা হুমাংগা ঈশিংনা ব্রহ্মাণ্ড তংখাই অমা থমহল্লী, পরব্যোমদা বৈকুণ্ঠ কৌদুনা মহাক্কীস্সু ধাম অমা লৈ, মহাক্না হৌজিক মাগী অতুম ওইবা ধাম অতুব ব্রহ্মাণ্ড মনুংদা লৈবা হুমাংগী ঈশিংদা ফোংদোক্লবে। ধাম অসি বিভূনি, লাইনি হায়দুনা চৎনীংবা মফমদ চৎপা ওম্মী (১।৩।২১ পযারগী টীকাদা যেংবিযু)। শেষ—অনন্তদেব, পাখংবা। ঈশিং মথক্তা ফমুংগী মথক্তা মানা হিপ্পা, তুম্মী অতুগুম্না অনন্তদেবনা (পাখংবনা) ব্রহ্মাণ্ড মনুংদা লৈবা হুমাংগী ঈশিংগা মথক্তা পোথাবা ওইনা চেপ্তুনা (হিপ্তুনা) লৈ।

৮৪। অনন্ত ফমুংদা অনন্তদেবনা ইবা ফমুংদা মানা ফমুংদা হিপ্পগুম্না, ব্রহ্মাণ্ডগী মনুংদা লৈবা পুরুষ ইবুংঙো মহাকস্সু অনন্তদেবগী হকচাংগী মথক্তা চেপ্তুন লৈরে। “মৃণাল-গৌরাযতশেষভোগ-পর্য্যঙ্ক এক পুরুষং শযানম্। ফনাতপত্রাযুতমূর্দ্ধরত্নদ্যুভিহতধ্বান্তযুগান্ত-তোযে॥ থম্বাল মখোক্কী মতোংগুম্বা অঙৌবা মচু ওইবা অনন্তলিনগী (পাখংবগী) মশানা ওইবা ফমুংদা ঈশিং মযাইদা পুরুষ ঈবুংঙোনা চেপ্তুনা লৈ, অদুম ওইবা শেষ-লিনগী (পাখংবগী) মকোক অপাকপদা লৈবা রত্ন (মণি অরবা) মযাম অতুগী মঙাল্না ঈশিং ঈপাক শত্রু ইঙানঙান্দুনা লৈ। শ্রীভা, ৩।৮।২৩॥ মতৌ অসুম তৌদুনা ব্রহ্মাণ্ডগী গর্ভদা লৈবা ঈশিংগা মথক্তা (তাউদুনা লৈবা অনন্তদেবগী মশানা ওইবা ফমুংদা) হিপ্তুনা লৈ হায়দুনা ব্রহ্মাণ্ডগী গর্ভদা লৈবা পুরুষ ইবুংঙোবু গর্ভোদশায়ী পুরুষ কৌই।

সহস্র নয়ন হস্ত, সহস্র চরণ।
সর্ব্ব-অবতার-বীজ জগত কারণ॥ ৮৫
তাঁর নাভি পদ্ম হৈতে উঠিল এক পদ্ম।
সেই পদ্ম হৈল ব্রহ্মার জন্মসদ্ম॥ ৮৬

অর্থ : -

মিৎ-খুৎ লিশিং অমা পাল্লী খোঙ লিশিং অমনি।
অবতার ময়ামগী মরূনি জগৎকী মপানি॥ ৮৫
থম্বাল অমা শাৎলে মাগী খোইদৌ থম্বান্দগী।
থম্বাল অদুদা পোরকম ওইরে ব্রহ্মাগী॥ ৮৬

গৌর-কৃপা-টীকা

৮৫। হৌজিক গর্ভোদশায়ী পুরুষগী মশক অমসুং মথৌ শিংথাজরি। মহাক্কী মকোক লিশিং অমা, মমাই মাইথো লিশি অমা, মমিৎ লিশিং অমা, মখুৎ লিশিং অমা, চরণ লিশিং অমা, পাল্লী। মফম অসিদা লিশিং হাঙ্গৈবিবা অসিগী অর্থদি মশিগীবা ঙমদে হায়বনি "প্রশ্যন্ত্যদো রূপমদভ্রচক্ষুষা সহস্র পাদোরুভুজাননাদ্ভুতম। সহস্রমূর্দ্ধ শ্রবণাক্ষিনাসিকং সহস্রমৌল্যম্বরকুণ্ডলোল্লসৎ॥ শ্রী, ভা, ১ ৩ ৪॥ অয়ং গর্ভোদকস্থঃ সহস্রশীর্ষানিরুদ্ধঃ এব॥ পরমাত্মসন্দর্ভঃ। ৪০॥' অবতার ময়ামগী মরূনি মহাক অসি ব্রহ্মানচিংবা গুণাবতার পূর্ণমক্কী অমসুং যুগ-মন্বন্তরাবতারনচিং মাস্ত মরূনি। "এতান্নানাবতারাণাং নিধানংবীজমব্যয়ম্॥ শ্রীভা, ১।৩।৫॥' জগৎকী মপানি—ব্রহ্মানা জীব খুদিংগী সৃষ্টি করানি, ব্রহ্মা অদুগীসু শেম্বিবা মপানি হাঙ্গৈদুনা গর্ভোদশায়ীবু জগৎকী সৃষ্টিকর্ত্তা কৌই অমদি মপা কৌই। পয়ার ৭৯-৮৫ দা মথক্কী শ্লোকা যাওবিবা গর্ভোদশায়ীগী মরমদা শিংথাজরি।

৮৬। গর্ভোদশায়ীগী খোইদৌদগী থম্বাল অমা ফাওগৎলকই, থম্বাল অদুদা ব্রহ্মা পোকই। মাগী—গর্ভোদশায়ীগী। খোইদৌ-থম্বান্দগী—খোইদৌ অদু নীংথীজবা অমসুং মনম মুংশিবনা থিন্নী হাঙ্গৈদুনা খোইদৌ-থম্বান হায়কবিবনি। পোক্কফম ওইরে থম্বাল অদুদগী ব্রহ্মা থাবক্লে, মরম অদুনা ব্রহ্মাগী মমিং অমদি পদ্মযোনি কৌই। "যস্যাম্ভসি শয়ানস্য যোগনিদ্রাং বিতন্বতঃ। নাভিহ্রদাম্বুজাদাসীদ্‌ব্রহ্মা বিশ্বসৃজাংপতিঃ। তুম্বগী (যোগনিদ্রা) মতৌগুম্না ঈশিংদা চেপ্লিবা পুরুষকী পুণ্ড্রাগুম্বা খোইদৌদগী হৌরকপা থম্বান্দা জগৎ শেম্বশিংগী মপু ব্রহ্মা পোকই। শ্রীভা, ১।৩।২॥

সেই পদ্মনালে হৈল চৌদ্দভুবন।
তেঁহো ব্রহ্মা হৈয়া সৃষ্টি করিল সৃজন॥ ৮৭
বিষ্ণুরূপ হৈয়া করে জগত পালনে।
গুণাতীত বিষ্ণু—স্পর্শ নাহি মায়াগুণে॥ ৮৮
রুদ্র-রূপ ধরি করে জগত-সংহার।
সৃষ্টি-স্থিতি—প্রলয় ইচ্ছায় যাঁহার। ৮৯

অর্থ:—

থম্বাল মখোক অত্থুদা মবোন তরামরি ওইরে।
মহাক্না ব্রহ্মা ওইরগা লৈশেম্বা ওইরে॥ ৮৭
বিষ্ণু ওইবগা জগৎপু ভাকপিবা ওইবে।
বিষ্ণুদি গুণগী রাংমনি মাযাগুণ শোক্তরে॥ ৮৮
রুদ্রগী মশক ওইরগা জগত মাংহল্লী।
মাগী রাথন্দগী শেম্বা—লৈবা- প্রলয় তৌহল্লী॥ ৮৯

গোর রূপা টীকা

পয়ার অসিদা শ্লোক ১৫ শুবদা যাওবিব "যন্নাভ্যব্জং লোকস্রষ্টুঃ সূতিকাধামধাতুঃ" শরুক অসিগী অর্থ তৌজরে।

৮৭—৮৯। হাঙ্গৈত্রিবা থম্বাল অত্থুগী মখোক্না লৈবাক মরোন তরামরি ওইরে, মাসি শ্লোক্তা য়াওরিবা "লোক সঙঘাতনালম' রাহৈগী অর্থনি। মরোন তবামন্নিগী মমিংদি ১।১।১০ শ্লোকী টীকাদা যেংবিয়ু।

মহাক্না—গর্ভোদশায়ী পুরুষ অত্থুনা। মহাক্না ব্রহ্মা ওইরগা জগৎশেম্মী, বিষ্ণু ওইরগা জগৎ ভাকই অমসুং রুদ্র ওইরগা জগৎমাংহল্ল' (সংহার তৌই)। ব্রহ্মানা রজোগুণ চেনবনি, বিষ্ণুনা সত্ত্বগুণ চেনবনি অমসুং রুদ্রনা তমোগুণ চেনবনি, গুণ খুদিংমক অসিনা তেংবাংত্থুনা মাগী-মাগী তৌফম থোকপা থবক পাংথোকই, মরম অত্থুনা মখোঙ্গ অত্থুবু গুণাবতার কৌই। মখোয অসি গর্ভোদশায়ীনা অবতার তৌবনি; মরম অত্থুনা মখোয়না সাক্ষাৎ ওইনা জগৎ শেম্বিবনচিংবগা মপা (কারণ) ওইরবসু মখোয়গী মক্ক গর্ভোদশায়ীবু পয়ার ৮৫ দা জগৎকা মপানি।" (কারণনি) হায়থরে। "সত্ত্বং রজস্তম ইতি প্রকৃতেগুর্ণাস্তৈর্যুক্তঃ পরঃ পুরুষ এক ইহাস্য ধত্তে। স্থিত্যাদয়ে হরিবিরিঞ্চিহরেতিসংজ্ঞাঃ শ্রেয়াংসি

গৌর-কৃপা-টীকা

তত্র খলু সত্ত্বতনোর্নৃণং স্যুঃ ॥—থোইদোক হেন্দোকপা পুরুষনা (গর্ভোদশায়ীনা) সাই-ওন্নগা সত্ত্ব, রজঃ অমসুং তমোগুণ চেন্নুনা জগৎ লৈহনবনচিংবগী মরমদা বিষ্ণু, ব্রহ্মা অমসুং রুদ্র হায়না মিং কৌই। মাদুগী মনুংদা শুদ্ধ-সত্ত্বগী হকচাং ওইবা বিষ্ণুগী কৃপাদগী মী ওইবশিংগী মথল-মথা অয়াম্বা মঙ্গল যাইফবা ফংই। শ্রীভ. ১।২ ২৩॥"

ব্রহ্মা ওইরগা—ব্রহ্মা মখল অনি থোক্লা লৈ, মাদুদি—জীবকোটি অমসুং ঈশ্বর কোটি ব্রহ্মা। শ্রীমদভগবত্তা হায়রি "স্বধর্মনিষ্ঠঃ শতজন্মভিঃ পুমান বিরিঞ্চিতামেতি।—জীব অদুনা মপোক চামরক ফাওবা মহাক্কা ধর্ম্মদা মাঙ্গওন্নিনবা ওমজরবদি মহাক ব্রহ্মা ওইবা ফংজে। ৪।২৪।২৯।" অসিগুম্বা মতিক চারবা জীব অসি কল্প অমগী মনুংদা ফংবা থোক্লবদি, কল্প অদুমক্তদা ব্রহ্মা ওইদুনা গর্ভোদশায়ীগী থোইদো থম্বান্দা পোক্লুত অমসুং গর্ভোদশায়ীনা মাডোন্দা শক্তি পীবিদুনা জগৎ শেম্মহল্লী। মতৌ অসুম্ব তৌনা ওইবা ব্রহ্মাবু জীবকোটি ব্রহ্মা কৌই। অদুগ, কল্প অদুদা অসিগুম্বা মতিক চাবা জীব অসি ফংদ্রবদি, কল্প অদুদা গর্ভোদশায়ী পুরুষনা মহাক্কী অংশ অমনা সাই-ওন্দুনা ব্রহ্মা ওইরগা জগৎ শেম্মী মতৌ অসুম্না ওইবা ব্রহ্মাবু ঈশ্বরকোটি ব্রহ্মা কৌই। "ভবেৎ ক্বচিন্মহাকল্পে ব্রহ্মা জীবোহ প্যুপাসনৈঃ। ক্বচিদত্র মহাবিষ্ণু ব্রহ্মত্বং প্রতিপদ্যতে ॥—কদিক রগুম্বা মহাকল্পদা লাই নীংজবনা পাম্বৈনা জীবসু ব্রহ্মা ওই, কবি কদিগুম্বা কল্পদা গর্ভোদশায়ী মশানা সাইওন্দুনা ব্রহ্মা ওই। ল, ভা, ২।২১। ধৃত পদ্মবচন।" গর্ভোদশায়ী মশানা সাইওন্দুনা মিং কমা কৌরগা মশা অমা পুথোকখ্রবা মতুংদসু মহৌশগী হকচাং (গর্ভোদশায়ী) অদু অমুক মাঙখিবা মযেং তাবা লৈতে; লাই-নিনা মিকুপ অমদা হকচাং লিশিং কমা পুথোক্লবসু হায়রি মশা অদু মযেং তাবা লৈতে।

ব্রহ্মানা মকোক ওইদুনা রজোগুণ শিজিন্নদুনা জগৎ শেম্মী, বিষ্ণুনা মকোক ওইদুনা সত্ত্বগুণ শিজিন্নদুনা জগৎ ঙাকই অমসুং রুদ্রনা মকোক ওইদুনা তমোগুণ শিজিন্নদুনা জগৎ সংহার তৌই (মাঙহল্লী)। ব্রহ্মা অমসুং রুদ্র অনি নরুবদা রজঃ অমসু তমোগুণ শিজিন্নরকই; তৌইগুম্বসুং বিষ্ণুগী পুক্নিংনা নীংবতদা সত্ত্বগুণনা চাং-নাইনা জগৎপু ঙাকই, বিষ্ণুনা সত্ত্বগুণবু শোক্লুবা লৈতে, সত্ত্বগুণগী মনাক্তসু চংলুদে, "বিষ্ণুস্তু সত্ত্বেনাপি ন যুক্তঃ, কিন্তু সঙ্কল্পেনৈব তন্নিয়মনমাত্রকৃৎ। ল. ভা, ২।১২। বিদ্যাভূষণ ভাষ্য।" মরম অসিনা হায়রিবনি বিষ্ণুদি গুণায় ব্রাংমনি (মায়াচংদে)। শেম্বা—লৈবা মাঙহনবা—(সৃষ্টি-স্থিতি প্রলয়) নচিংবা অসি গর্ভোদশায়ীগী ইচ্ছানা তৌই।

হিরণ্যগর্ভ-অন্তর্য্যামী জগত-কারণ।
যার অংশ কবি করে বিরাট কল্পন॥ ৯০
হেন নারায়ণ যাঁর অংশেরও অংশ।
সেই প্রভু নিত্যানন্দ সর্ব্ব অবতংশ॥ ৯১

অর্থ :—

হিরণ্যগর্ভ-অন্তর্য্যামী জগত মপানি।
মাগী অংশনা বিরাট মূর্ত্তি অমা ওইর্বনি॥ ৯০
অসিগুম্ব নারায়ণ অসিবু নাইথাং ওইবিবা।
নিত্যানন্দ প্রভুনা ওইরি খ্বাইদগী হেনবা॥ ৯১

গৌর-কৃপা-টীকা

৯০-৯১ হিরণ্যগর্ভ-অন্তর্য্যামী—ব্রহ্মাগী অন্তর্য্যামী অহুনা মহাক জগৎকী এপুনি অমসুং মপানি (জগত-কারণ)। মাগী অংশনা—গর্ভোদশায়ীনা অংশনা পাত লনচিংবা মবোন তরামনি শেন্মী। মবোন তবামনি অসি গর্ভোদশায়ীগী খোইদোংদগী হৌরকপা পদ্মানগী মখোক ওইবা মরম্না মহাকী অংশ ওহরে বিরাট মূর্ত্তি—আচৌবা মাই "যাস্যহাবযবৈর্লোকান কল্পযান্ত মনীষিণঃ। কট্যাদিভিবধঃ সপ্ত সপ্তোর্দ্ধং জঘনাদিভিঃ —পণ্ডিতশিংনা মহাক মশান মরোন তরাম ব ওই হাঙ্গনা হাঙ্গনৈ। মহাকী মখাংদগী মথাবোমদা (পাতাল) মরোন তবেং ওই অমসুং মখাংদগী (চনীংদগী) মথকলোমদা (স্বর্গ) মবোন তরেং ওহ হাঙ্গনা শিংথানৈ ... ।০৬। হাঙ্গরিবা বিরাট মূর্ত্তি অসিগী চনীংনা ভূর্লোক (পৃথিবী), ২ খোইদৌনা ভুবর্লোক (আকাশ), ৩। থমোইনা স্বর্গলোক, ৪ থবাক্না মহর্লোক, ৫ ওকশম্না জনলোক সাধুশিংগী লৈফম, ৬। চিনবান অনিনা তপোলোক, ৭। মেক্না সত্যলোক, অহুদগী, ৮ (...ং) থুন্না অতল লৈবাক-মথ, ৯ কৈগল অনিনা বিতল, ১০ খুউ অনিনা সুতল, ১১। খুবোম অনিনা তলাতল, ১২। পুনিং (খাড়া) অনিনা মহাতল, ১৩ খোংদোন অনিনা রসাতল, ১৪। খুয়' অনিনা পাতাল ওহ (শ্রীভা ২।৫।৩৮-৫১)। পয়ার ৮১ দা য়েংবিয়ু। নারায়ণ—গর্ভোদশায়ী পুরুষ, নিগুবা নারায়ণ। গর্ভোদশায়ী ইবুংঙো মহাক্না ... লৈকপদা জগৎ সৃষ্টি, স্থিতি, প্রলয় ... , ব্রহ্মাগী অন্তর্য্যামী ওই জগৎকী মপা ওই, মহাকী খোইদৌদগী পোকপা মরোন তরামরিনা বিরাট রূপ অমনি হাঙ্গনা শিংথানৈ, গর্ভোদশায়ীবু মহাকী নইথাং ওইবিবা অহুম ওইরিব শ্রীবলরাম হাঙ্গবদি শ্রীনিত্যানন্দনা

দশম শ্লোকের এই কৈল বিবরণ।
একাদশ—শ্লোকের অর্থ শুন দিয়া মন।। ৯২

অথ

দশম শিংথাজবা লোইজরে শ্লোক তরাগী।
পুক্লিং চংনা তাবিযু শ্লোক তরামাথোইগী।। ৯২

তথাহি শ্রীস্বরূপ গোস্বামী কড়চায়াম—

যস্যাংশাংশাংশ পরাত্মাখিলানাং পোষ্টাবিষ্ণুর্ভাতি দুগ্ধাব্ধিশায়ী।
ক্ষোণীভর্ত্তা যৎকলা সোঽপ্যনন্তস্তং শ্রীনিত্যানন্দরামং প্রপদ্যে।। ১৬

নারায়ণের নাভিনাল মধ্যে ত ধরণী।
ধরণীর মধ্যে সপ্ত সমুদ্র যে গণি।। ৯৩
তাহাঁ ক্ষীরোদধি মধ্যে শ্বেতদ্বীপ নাম।
পালয়িতা বিষ্ণু তাঁর সেই নিজ ধাম।। ৯৪

অথ :–

খোইদো থম্বান-মখোক মনুংদা পৃথিবী লৈ
পৃথিবীগী মনুংদা সমুদ্র তরেৎথক লৈ।। ৯৩
শ্বেতদ্বীপ কৌবা ধাম লৈ ক্ষীরোদধি মনুংদ।
ঙাকপিহৈবা বিষ্ণুনা লৈ মফম অদুদা। ৯৮

গৌর-কৃপা-তরং

খ্বাইদগী খোইদোক-হেন্দোকপনি। পযার অসিদা যস্যাংশাংশ.—নচিংব শ্লোক্কী অর্থ লোঙ্ক্তবে।

৯২। শ্লোক তরামাথোইন অহানবা মতাংগী তরামাথোই শুবকপা শ্লোক্কী।

শ্লো। ১৬ অন্বয়নচিংবদি মথক্কী অহানব মতাংগী শ্লোক তরামাথোই শুবদা য়েংবিযু। শ্লোক অসিদা জীবান্তর্যামী (জীবা+অন্তর্যাম) পুরুষকী তত্ত্ব হাঙ্গৈবি। মহাক গর্ভোদশায়ীগী অংশনি (সাইওন্নি) অমসুং পৃথিবীদা লৈবির ক্ষীরোদ সমুদ্রদা লৈ হাঙ্গৈদুনা মহাকপু ক্ষীরোদশায়ী অমদি দুগ্ধাব্ধিশায়ী পুরুষ কৌই। মথক্কী পযার ৮৮ দা মহাকপু জগৎকী ঙাকপিবা মপুনি হাঙ্গৈখবে। মতুংগী পয়ার পুম্নমক্তা শ্লোকগী অসগী অর্থ তৌজরি।

৯৩—৯৪। থম্বান-মখোক – গর্ভোদশায়ী নারায়ণ॥ খোইদোদগী হৌবা থম্বান-মখোক মনুংদা। পৃথিবী—মথোন তরামরিগী মনুংদা লৈরিবা ভূর্লোক, পৃথিবী। সমুদ্র

সকল জীবের তেঁহো হয়ে অন্তর্য্যামী।
জগত-পালক তেঁহো জগতের স্বামী।। ৯৫

অর্থ :—

মহাক জীব পুম্নমক্কী অন্তর্য্যামীনি।
মহাক জগৎ ঙাকপিবনি জগৎকী মপুনি।। ৯৫

গৌর-কৃপা-টীকা

তরেৎথক—১। লবণ সমুদ্র (থুমহিগী সমুদ্র অয়াকপা ঈশিং), ২। ইক্ষু সমুদ্র (চুহিংদোনা থুম্বা ঈশিংগী সমুদ্র), ৩। সুরা সমুদ্র (ময়াইকাবা ঈশিং,) ৪। ঘৃত সমুদ্র, (ঘীগী মহাও গুম্বা ঈশিং) ৫। দধি সমুদ্র (শঙ্গোম অকম্বা), ৬। দুগ্ধ সমুদ্র (শঙ্গোমগী ঈশিং.) অমসুং ৭। জল সমুদ্র (ঈশিং অচম্বা)—সমুদ্র তরেৎ থক অসিগী মমিং ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণ্ডা ইদুনা লৈ; দধি সমুদ্রগী অতোপ্পা-মমিং অমদি ক্ষীরসমুদ্র অমদি ক্ষীরাব্ধি হায়নসু খঙনৈ।

গর্ভোদশায়ীগী খোইদৌদগী হোবা থম্বান অদুগী মখোক্তা মরোন তরামরিগী লম লৈ; মাদুগী মনুংদা পৃথিবী অসি অমনি, মাদুদা সমুদ্র তরেৎ লৈ, ক্ষীরাব্ধি সমুদ্র অসি মনুংচনবা সমুদ্র অমনি, মাদুদা শ্বেতদ্বীপ কৌবা দ্বীপ অমা লৈ; অদুম ওইবা দ্বীপ অদুদা ব্রহ্মাণ্ডবু ঙাকপিবা মপু বিষ্ণুগী ধাম ওই। (মহাক্কী নিত্যধাম পরব্যোমদা ওইবা অদু, শ্বেতদ্বীপ্তা ফোংদোক্লে)। ক্ষীরোদধি—ক্ষীর+উদধি (সমুদ্র) ক্ষীরোদধি। "অত্র শ্রীবিষ্ণোঃ স্থানঞ্চ ক্ষীরোদাদিকং পাদ্মোত্তরখণ্ডাদৌ জগৎ পালননিমিত্তকনিবেদনার্থং ব্রহ্মাদয় স্তত্র মুহুর্গচ্ছন্তি ইতি প্রসিদ্ধেঃ বিষ্ণুলোকতয়া প্রসিদ্ধেশ্চ। বৃহৎসহস্রনাম্নি ক্ষীরাব্ধিনিলয় ইতি তন্নামগণে পঠ্যতে। শ্বেতদ্বীপ পতেঃ কচিদনিরুদ্ধতয়া খ্যাতিশ্চ তস্য সাক্ষাদেবাবির্ভাব ইত্যপেক্ষযেতি।। পরমাত্মসন্দর্ভঃ।। ৫২।।" প্রমাণ অসিদগী খঙবা ঙমী, জগৎকী ঙাকপিবা—মপু বিষ্ণুগী ধামদি ক্ষীরোদসমুদ্রনি; মহাক শ্বেতদ্বীপকী মপুনি, মহাক সাক্ষাৎ অনিরুদ্ধগী অবতারনি। মহাকপু শ্বেতদ্বীপকী মপুনি হায়না খঙনৈ, ক্ষীরোদ সমুদ্রদা শ্বেতদ্বীপ লৈ।

৯৫। জীব পুম্নমক্কী-নচিংবা অসি শ্লোক্তা য়াওরিবা "পরাত্মাখিলানং" হায়রিগী অর্থনি; জীব খুদিংগী পরমাত্মানি। জগৎ ঙাকপিবনি—শ্লোক্তা য়াওরিবা "পোষ্টা" শব্দগী অর্থনি। জগৎকী মপুনি—শ্লোক্তা য়াওরিবা "ক্ষৌণীভর্ত্তা" হায়রিগী অর্থনি।

ক্ষীরোদশায়ীনা জীব খুদিংগী পরমাত্মানি; জীব খুদিংগী মনুংদা মহাক্না শক অমমম ওইদুনা অনন্তর্য্যামী ওইদুনা লাক্লোইরি। "অগ্নির্যথা ভূবনং প্রবিষ্টো রূপং রূপং প্রতি-রূপোবভূব। একস্তথা সর্ব্বভূতান্তরাত্মা রূপং রূপং প্রতি রূপো বহিশ্চ।। কাঠকো-

যুগ মন্বন্তরে করি নানা অবতার।
ধর্ম্ম সংস্থাপন করে অধর্ম্ম-সংহার। ৯৬
দেবগণ নাহি পায় যাঁহার দর্শন।
ক্ষীরোদক তীরে যাই করেন স্তবন॥ ৯৭
তবে অবতার করে জগত্-পালন।
অনন্ত বৈভব তাঁর—নাহিক গণন॥ ৯৮

অর্থ :—

যুগ মন্বন্তরদা অবতার মখন্-মখন্ তৌই।
ধর্ম্ম চুমদবু মাঙহল্লী ধর্ম্ম শন্দোক ই॥ ৯৬
ইবংঙো মাব উজবা ফংদে লাইশিংনা।
থুকমজকই ক্ষীরসমুদ্র মপান্দা চৎতুনা॥ ৯৭
মতুদা জগৎ ঙাকুবা শবতার তৌই।
শিংথাবা ওমদে মাগী শক্তি যাম্না চাউই॥ ৯৮

'গৌর-কৃপা-টীকা

পানবং। ১ ২। ১॥' মহাক্না চাওবগী চাংদি থুবা মুক্তা চাউই। "অঙ্গুষ্ঠ মাত্রঃ পুরুষো-হন্তরাত্মা সদা জনানাং হৃদয়ে সন্নিবিষ্টঃ। কাঠক ২। ৩। ১৭।" শ্রীমদভাগবতনা হাঙ্গৈবি, ইনি পাদেশমাগ (মহাক থুবীমু না চাউই)। "কেচিৎ স্বদেহান্তর্হৃদয়াবকাশে প্রাদেশ-মাত্রং পুরুষং বসন্তম। চতুর্ভুজং কঞ্জরথাঙ্গশঙ্খগদাধরং ধারণয়া স্মরন্তি শ্রীভা, ২। ২ ৮॥" মহাক মখুৎ মরি পানবনি, শঙ্খচক্রগদাপদ্ম (থম্বান) পাঙ্গৈবনি।

৯৬ যুগ-মন্বন্তরদ যুগ খুদিংদা অমসুং মন্বন্তর খুদিংদ। ধর্ম্ম শন্দোকই ধর্ম্ম লৈতবা মানা নৎ-নৈবদগ ধর্ম্ম অতু মুৎপশুম তৌরব্রবা মতমদা, মাহু অমুক হন্না নুক্তনবা হোৎনবা হাঙ্গৈবদি ধর্ম্ম শন্দোকপা, অমুক হন্না ধর্ম্ম অতু লখৎপা, নত্রগা যুগ যুগ অতুগী মতুং ইন্না ধর্ম্ম হৌদোকপা। ধর্ম্ম চুমদবু মাঙহল্লী—ধর্ম্মগী জগৎ অসিদা ভান রাৎপা মাশিংনা ধর্ম্মবু মাঙননব তৌরক্লবদা মখোঙ্গৈবু রাব্রকপা। ক্ষীরোদশায় পুরুষনা জগৎকী ঙাকপিবা মপুনি, যুগ খুদিংদা, মন্বন্তর খুদিংদা ধর্ম্ম চুমদবা মীবু মাঙহন্না অমসুং যুগ ধর্ম্মনচিংব হৌদোক্লনা জগৎকী যাইফনবা হোৎনবা অসি মহাকী থবক্তি, মরম অতুনা যুগ খুদিংদা অমসুং মন্বন্তর খুদিংদা যুগাবতার (যুগ+অবতার), মন্বন্তরাবতার ওইনা মহাক্না থবক অতু তৌই। ক্ষীরোদশায়ী পুরুষন্তি যুগাবতার অমসুং মন্বন্তরাবতারগী অংশীনি (থেংবকফম্নি)।

৯৭—৯৮। মতৌ করম্না মহাক্না অবতার লৌবগে, মাহু হাঙ্গজবি। লাইশিংনা ইবুংঙো মাবু উজবা ফংদে; হিংচাবাশিংনা ওৎ নৈবদা পৃথিবী অসি থাঙবা ওমত্রবদা,

সেই বিষ্ণু হয় যাঁর অংশাংশের অংশ।
সেই প্রভু নিত্যানন্দ সর্ব্ব-অবতংস॥ ৯৯
সেই বিষ্ণু শেষ-রূপে ধরেন ধরণী।
কাঁহা আছে মহীশিরে, কেন নাহি জানি॥ ১০০
সহস্র বিস্তীর্ণ যার ফণার মণ্ডল।
সূর্য্য জিনি মণিগণ করে ঝল মল॥ ১০১
পঞ্চাশৎ কোটি যোজন পৃথিবী বিস্তার।
যার এক ফণে রহে সর্ষপ আকার॥ ১০২

অথ :

মহাক্কী মনাহংগী নাইথাং ওই বিষ্ণুবুস্ন।
অদুম ওইবা নিত্যানন্দনা হেল্লী খ্বাইবুস্ন॥ ৯৯
বিষ্ণু অদুনা শেষ ওইরগা পৃথিবী পুবি।
পৃথিবীবু মকোক্ত হাপ্লগ হাপ্লে খঙদবি। ১০০
শেষকী মকোক মযাম অদু লিশিং অমনি।
মনিশিং অদুনা নুমিৎপু উমজনা উানবনি। ১০১
পৃথিবীনা পাকপদি যোজন কোটি যাংখৈনি।
মকোক অমদা হঙ্গাম মকুপ্না হাপ্পনি॥ ১০২

গৌর-কৃপা-টীকা

মতম অদুদা লাইশিংনা ক্ষীরোদ-সমুদ্র মপান্দা চৎতুনা ইবুংঙো মাবু থুকমজহুনা, জগৎকী অরাবা কোকহনবিযু হাঙ্গজরুই, মতম অদুদা মহাক্না জগৎকা অরাবা কোকহল্লী।

ক্ষীর সমুদ্র মপান্দ—ক্ষীরোদ সমুদ্র মপান্দা। শিংথাব উমদে-নচিংবা মশিং থীবা উমদবা মন্বন্তরাবতার-নচিংবা অসি মহাক্কী শক্তি (বৈভব) নি। "মন্বন্তরাবতার এবে শুন সনাতন। অসংখ্যগণন তার শুনহ কারণ॥ ২।২০।২৬৯।" অমদি ঐশ্বর্য্য অনন্তনি।

৯৯। শ্লোক্কী অহানবা শব্দকী অথ লোইশিনজার। বিষ্ণুবুস্নু ক্ষীরোদশায়ী পুরুষপুস্নু, সনামহিবুস্নু। বিষ্ণুবু মনাইগী নাংথাং ওইরিবদি (যস্যাংশাংশাংশ) বলরাম্নি। বলরাম মহাক নবদ্বীপ লীলাদা শ্রীনিত্যানন্দ ওইররে।

১০০ ১০২। মথক্কী শ্লোক্কা যাওরিবা "যৎকলা সোহপ্যনন্ত." শব্দক অসিগী অর্থ হৌজরি। শেষ ওইরগ—অনন্তদেব ওইরগা অনন্তদেব (পাখংবা) অসি ক্ষীরদশায়ী

সেই ত অনন্তশেষ ভক্ত—অবতার।
ঈশ্বরের সেবা বিনা নাহি জানে আর ॥ ১০৩

অর্থ :-

অনন্ত শেষ অদু ভক্ত অবতারনি।
ঈশ্বরগী সেবা নত্তনা অতে খঙদবনি ॥ ১০৩

গৌর-কৃপা-টীকা

(সনামহি) গী অংশনি। "আস্তে যা বৈ কলা ভগবতঃ তামসী সমাখ্যাতা অনন্ত ইতি। শ্রীভা, ৫।২৫।১। শ্রীভগবাননগী কলা (অংশ) পম্মা লৈ মাঙোন্দা তমোগুণগা লৈফ-পই, মহাক্কী মমিং অনন্ত কৌই।' মহাক্কা মাগী মকোক্তা পৃথিবীবু পুবি। হাপ্লে খঙদবি অনন্তদেবগী মকোক অসি অদুক্কী মতিক চাউখবে, অদুগা মহাক্কা শক্তিসু অদুক্কা মতিক চাউখবে, অসুক চাউখববা পৃথিবী অসি মাগী মকোক মথক্তা হাপ্লুনা পুবদা কোক্কী মফম কবম্বদা হাপ্লিবনে খঙবা ঙমদে। মকোক লিশিং অমনি—অনন্তদেবগী মকোক লিশিং অমনি, মবোপ খুদিংমক যাম্মা চাউ-ই, যাম্মা পাকই। নুমিৎপু ঙমজনা চানব ন—মকোন অদুদা লৌবিবা মাণ পুম্নমক পত্থুনা ইলং-লংনা চানবা অদুনা নুমিৎপুদি হেন্না চানববে হাঙ্গবা যাই। কোটি যাংখেনি—পৃথিবীগী মরাক অমসু মসুং যোজন কোটি যাংখৈনি (হাঙ্গবদি মাইল বৃন্দ মবিনি)। অসুক চাউবা পৃথিবী অসি অনন্তদেবগী মকোক্ত লৈবদদি হঙ্গাম-মক্তাক্তা চাউবগু। লে। মীওইবা খোইপী খুবাক্তা হঙ্গাম মক অমা থম্বদা হঙ্গাম মক অদুগী অকাম্বা খঙবা ঙমদে, অদুগুম্না অনন্তদেবগী মকোক্তা পৃথিবীবু পুবদা, পুবি হাঙ্গবা খঙদে (অরাবা খঙদে) অনন্তগী শক্তিনি অসুক চাউবনি। "যস্যেদং ক্ষিতিমণ্ডলং ভগবতোহনন্তমূর্ত্তেঃ সহস্রশিরসঃ একস্মিন্নেব শীর্ষণি ধ্রিয়মাণং সিদ্ধার্থ ইব লক্ষ্যতে॥—অনন্ত-মূর্ত্তি ভগবাননগী মকোক লিশিং অমগী মন্নুংদা মকোক অমদা পৃথিবী অসি পুবদা হঙ্গাম মক অমা পুবদৌনা থল্লী। শ্রীভা, ৫ ২৫ ২।" মবম অদুনা পৃথিবী অসি মাগী মকোক্কী কবম্বা মফমদা লবগে। হাঙ্গবা অদু মহাক্তা খঙজবা ঙমজদে। "ন বেদ সিদ্ধার্থমিব কচিৎ স্থিতং ভূমণ্ডলং মূর্দ্ধ সহস্রধামসু। শ্রীভা, ৫।১৭।২১।" মাইল বৃন্দ মবিগা যাজন কোটি যাংখৈগা মান্নে।

১০৩। অনন্তদেব (পাখংবা) অসি ভগবাননগী অংশ ন অমসুং ভক্ত—অবতারনি, ঈশ্বরগী সেবা তৌবতনা মাগী মথৌনি। শেষ অংশ, "শিষ্যতে ইতি সেষোহংশঃ। শ্রীভা, ১০।২।৮। তোষনী।" ভক্ত-অবতার—ভক্ত ওইনা অবতার তৌবা মহাক অদুনা।

সহস্র বদনে করে কৃষ্ণ গুণ গান।
নিরবধি গুণ গান অন্ত নাহি পান॥ ১০৭
সনকাদি ভাগবত শুনে যাঁর মুখে।
ভগবানের গুণ কহে, ভাসে প্রেমসুখে॥ ১০৫

অথ :—

মচিন লিশিং অমনা কৃষ্ণগী গুণ শকপনি।
অতংপা লৈতন শকই লোইবা লৈতবনি॥ ১০৪
মাঙোন্দগী ভাগবত তাঈ সনকনচিংবনা।
ভগবানগী গুণ শক-শোল্লী প্রেমদা তাউতুনা॥ ১০৫

গৌর-কৃপা টীকা

অনন্তদেবনা লিনগী মৎং ওইরগা ভগবান ফমুং ওই, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মশক অপেংবদি লিন থাঙ্গৈশেংবদি নত্তে। শ্রীমদভাগবতকী মঙাশুবা স্কন্দগী অধ্যায ২৫ দগী খঙবা ঙম্মী, ইবুংঙো মহাক্কী মথোং অনি, মকোক অমা অমসুং খুজিনা লৈতেংবা পাম্বোম যাম্না লৈ, পাম্বোম পুম্নমক অতুদা লিন-নিংঙোনগী ফজবাশিংনা অগুরু, কুঙ্কুম, চা-চন্দন-নচিংবনা চন্দন থিনহি মহাক্কী হকচাংগী বুচুদি লুপা থুদোংব দৌনা লংনা ঙৌর্বনি। ৪।৫॥ অতোপ্পা অম মহাক্কী মকোক লিশিং অমা পাল্লী হাঙ্গৈবগী প্রমাণ ফংঈ। "গায়ন গুণান দশ শতানন আদিদেবঃ শেষোহদ্যাপি সমবস্যতি নাস্য পারম মমাই লিশিং অমা পানবা আদিদেব (মহানব-লাই) অনন্তদেবনা শ্রীকৃষ্ণগী গুণ শক্কুনত লৈ, গৌজিক ফাওবা লোইবা ঙমদ্রি। শ্রীভ ২।৭।৪১॥ (মণিপুবদস্মু পাখংবনা মীগী হকচাং ওইনা সাইওন্নগা (প্রকাশ তৌরগা) থুম প লম্মী হাঙ্গৈনা পণ্ডিতশিংনা হাঙ্গৈনরি)।

১০৪—১০৫। অনন্তদেবনা করম তৌনা ঈশ্বরগী সেবা তৌবগে হাঙ্গৈবহ পয়ার ১০৪—১০৫ দা হাঙ্গৈজরি। মহাক্না মমাই (মচিন) লিশিং অমা পাল্লগা শ্রীকৃষ্ণগী গুণ শক শোল্লা, অতংপা লৈতনা শক্লি, এতুম ওইনমক মহাক্কী অপোইবা নাইদরি। মথক্কী পয়ারগী টীকাদা যাওরিবা শ্রীভা, ২।৭।৪১। শ্লোক য়েংবিয়ু।

সনক-নচিংবা—সনক, সনাতন, সনন্দন অমসু সনৎকুমার-নচিংবনা। ভাগবত শ্রীভগবৎকী বারী। প্রেমদ তাউতুনা প্রেমদা ডাওতুনা, মাসিদগী খঙবা ঙম্মী অনন্তদেব অসি ভক্তনি হাঙ্গৈবা, মরমদি, ভক্ত নত্তনা কনা অমতনা প্রেমদা তাউতুনা (হাঙ্গৈবদি প্রেম অতুনা খোল্লেন নিক্র-নিক্রা ডাক্তুনা) ভগবৎকী বারী-লীবা ঙমদে।

ছত্র পাদুকা শয্যা উপাধান বসন।
আরাম আবাস যজ্ঞ সূত্র সিংহাসন॥ ১০৬
এত মূর্ত্তিভেদ করি কৃষ্ণ সেবা করে।
কৃষ্ণের শেষতা পাঞা 'শেষ' নাম ধরে॥ ০৭
সেই ত অনন্ত যাঁর কহি 'এক কলা'।
হেন প্রভু নিত্যানন্দ, কে জানে তাঁর খেলা॥ ১০৮

অর্থ:—

ছত্র খুরুম ফমুং মোন শেংননবা ফি রোন।
পোখানবা মফম যুম নগুণ সিংহাসন॥ ১০৬
মূর্ত্তি যান্না পুথোক্লুনা কৃষ্ণ সেবা তৌই।
কৃষ্ণগী অরোইবা ফংঙী হাঙ্গিত্নুনা শেষ কৌই॥ ১০৭
অনন্তবু ইবুংঙো মাগী 'কলা' ওইরিবা।
অদুগুম্বা নিত্যানন্দবু কনানা খঙবা॥ ১০৮

গৌর-কৃপা টীকা

১০৬—১০৭। অনন্তদেবনা মচিন্দ শ্রীকৃষ্ণগী সেবাগী মশক ওইবা ভগবৎকী রারী, ইশৈতা শক্লুনা লেবদগা হেন্দোক্লুন ছত্র, খুরুমচিংবা সেবাগী পোৎলম ওইনা সাইওন্দুনদু ভগবৎ সেবা তৌত্নুনা লৈ। "শয্যাসন পরীধান—পাদুকা ছত্রচামরৈঃ। কিং নাভূস্তস্য দেবস্য মূর্ত্তিভেদশ্চ মূর্ত্তিষু॥ ফমুং, ফিদা, ফি-লোণ, খুরুম, ছত্র, চামর, অসিনচিংবা মূর্ত্তি শেন্ননা পুথোক্লুনা অনন্তদেবনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা পুন্নমক তৌত্নুনা লৈ। শ্রীভা, ১০। ৩। ৪৯। শ্লোকী তোষণী ধৃত ব্রহ্মাণ্ড পুরাণবচন।"

ছত্র—ছাতিন। খুরুম—উ-ন শাবা ফেনাৎ। মোন-কোক্লা খাঙনবা মোন। পোৎখানবা মফম—বাগান হকোন, লৈকোন। নগুণ-লংলা মাপন্না তিন্দুনা তাবা অশেংবা যজ্ঞদা ফংবা হুকচাংদা খা ননা পোৎ সিংহাসন—ফমুনবা পোৎ। অরোইবা কান্নরবা মচং। শেষ কৌই শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক ছত্র, খুরুমচিংবা ওন্দুনা সেবা ফংজবগী লাইবক ফবা অদু ফংঙী হাঙ্গিত্নুনা অনন্তদেবগী মমিং শেষ (অরোইবা) কৌই।

১০৮। হৌজিক শ্লোকী অর্থ লাইহৈসিনজরে। অস্তুম ওইবা অনন্ত প্রসি শ্রীনিত্যানন্দগী কলানি (নাইথাং নত্রগা শুথাং হাঙ্গিত্নুনি)। কনানা খঙবা—শ্রীনিত্যানন্দগী লীলাদি মপাম নাইদে, অত্নুনা কনানস্ম মাপী মগুণ তাশংনা খঙজনা ঙমাদে।

এ সব প্রমাণে জানি নিত্যানন্দ সীমা।
তাঁহাকে অনন্ত কহি কি তাঁর মহিমা॥ ১০৯
অথবা ভক্তের বাক্য মানি সত্য করি।
সেহো ত সম্ভবে তাঁতে, যাতে অবতারী॥ ১১০
অবতার-অবতারী অভেদ যে জানে।
পূর্ব্বে যৈছে কৃষ্ণকে কেহো কাহো করি মানে॥ ১১১

অর্থ:

প্রমাণশিংসিদা নিত্যানন্দগী সীমা খঙলী।
মাবু অনন্ত হাঙ্গকয়গা গুণ হৈ্ৎহ নীঙলী॥ ১০৯
অমরোমদা ভক্তগী ৱা অচুম্বনি নীংলগা
মাহুক্স ওইবা য়াই অবতারীদা খল্লগা। ১১০
অবতার-অবতারী খেল্লদে হাঙ্গনা নীংবা।
মীনা মথক্তা, অহুম্না য়াওখি কৃষ্ণবু নীংবা॥ ১১১

গৌর-কৃপা-টীকা

১০৯। শ্রীঅনন্তদেববু শ্রীনিত্যানন্দগী কলা-নি হাঙ্গবি, তৌইগুম্বসুং কনা কন গুম্বনা হাঙ্গনৈ, শ্রীঅনন্তদেবনা শ্রীনিত্যানন্দ ওইনা অবতাব তৌবনি। মাসিগী পাওখুমদা লাইরিক লেংবিরিবা—কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙ্গবি—শ্রীনিত্যানন্দ ' কলা ওই। অনন্তদেববু শ্রীনিত্যানন্দনি হাঙ্গববদি শ্রীনিত্যানন্দগী গুণ মথে' তাবনি, কলাবু স্বয়ং হাঙ্গববদি কলাগী মগুণ্ডি হেক্তিন্না ফোংদোকই, স্বয়ং (মপু) ওইবা অহুগীদি ফোংদোক্রে। নিত্যানন্দগী সীমা—শ্রীনিত্যানন্দ-তত্ত্বগী ওমথৈ। শ্রীবলরাম-তত্ত্বদা যেংলিবু, শ্রীবলরাম অমসুং নিত্যানন্দ তত্ত্ব অমতনি।

১১০-১১১। শ্রীঅনন্তদেবনা শ্রীনিত্যানন্দ ওইবনি হাঙ্গনা খল্লিবা মীশিং অহুগী ৱাহৈ অহুক্স খজিক্কংদি চুম্নীংঙাই লৈ—অসুম হাঙ্গনা খল্লবদা কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙ্গরি—ওন্না-তৈননা হাঙ্গরিবশিং অহুক্স ভক্তনি, মখোঙ্গী অশেবা থমোই অহুদা ফাওবক্তনা হাঙ্গরিবনি, মরম অসিনা মখোঙ্গী ৱাতা অহুদা মায়াগী দোষ লৈতে। মখোঙ্গী ৱা অহুক্স অচুম্বনি। অহুদি কবম ৎৌনা চুম্রে? মাহু হাঙ্গজরি। শ্রীনিত্যানন্দদি অনন্ত-দেবগী অবতারীনি হাঙ্গবদি অংশীনি, মরম অহুনা শ্রীনিত্যানন্দগী মমুংদসু অনন্তদেব লৈ, কনা গুম্বশিংনা হাঙ্গরি, শ্রীনিত্যানন্দদি অনন্তদেবনি, মখোঙ্গনা শ্রীনিত্যানন্দগী মমুংদা অনন্ত-দেববু উবা ফংলি, মখোঙ্গী ভাব পুক্নিং মতুং ইন্না ৱাহৈ অসি থোরকপনি, মরম অহুনা

কেহ কহে কৃষ্ণ সাক্ষাৎ নারায়ণ।
কেহ কহে—কৃষ্ণ হয় সাক্ষাৎ বামন ॥ ১১২
কেহ কহে কৃষ্ণ ক্ষীরোদশায়ী-অবতার।
অসম্ভব নহে, সত্য বচন সভার ॥ ১১৩

অর্থ :—

কনানা হাঈ কৃষ্ণদি সাক্ষাৎ নর নারায়ণনি।
কনানা হাঈ কৃষ্ণদি সাক্ষাৎ বামননি ॥ ১১২
কনানা হাঈ কৃষ্ণ, ক্ষীরোদশায়ী অবতারনি।
ওইদবা নত্তে খ্বাইদগী রা অহু অচুম্বনি ॥ ১১৩

গৌর-কৃপা-টীকা

মাহু মীনম্বা নত্তে।" ১।২।৮৩ পয়ারগী টীকাদা যেংবিয়ু। "অনরোমদনা, অংশগা অংশীগা অমসুং অবতারগা অবতারীগা খেন্নদে, হিসাব অসুম্না খন্দুনা অংশ অনন্তদেবগা অংশী শ্রীনিত্যানন্দগা খেন্নদে, অসুম হাঈনা খেন্নদে হাঈনা খনবা ভক্তশিং অহুনা অংশ অনন্ত-দেববু অংশী শ্রীনিত্যানন্দনি হাঈরিবনি ; মরম অসিনা মাহুস্নু মিনম্বা নত্তে।"

মাহুস্নু ওহবা যাই—শ্রীনিত্যানন্দদি অনন্তদেবগী অবতারী (অংশী) নি হাঈহুনা মাহুস্নু ওইবা যাই। অবতার-অবতারী—অবতারগা লৈনরিবা মরী অসি, মপাগা মচাগা মগী খোক্লবগুম্বনি (অংশ-অংশীগী মরীনি), অংশগা অংশীগা খেন্নদে হাঈবসি পুন্নমক্না খওলিবনি, অহুনা অংশ অনন্তদেগা অংশী নিত্যানন্দগা খেন্নদে। মথক্তা পাহুম্না-অসিনচিংবা—মথক্তা হাঈবদি মমাংদৈদা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তোরবা মতমদা কনা-কনাগুম্বনা কৃষ্ণগী মরমদা মখল-মখল ওইনা হাঈখি, কনানা ইবুংঙো মাবু নর নারায়ণনি হাঈ, কনানা বামন-নি হাঈ কনানা ক্ষীরোদশায়ীনি অসিনচংবা হাঈখি। শ্রীকৃষ্ণবু নারায়ণচিংবগী অবতারনি হাঈহুনা অবতার-অবতারী অমদি অংশ-অংশী খেন্নদবা মরম্না শ্রীকৃষ্ণবু নারায়ণচিংবা হাঈরবস্নু যান্ন লাল্লবা রা-নিদি হাঈরোই। অহুগুম্না শ্রীনিত্যানন্দবু অনন্তদেবনি হাঈরবস্নু ইচুম-চুমদবা রাদি ওইরোই।

১১২—১১৩। শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা কনা কনানা করি করি হাঈবগে, মাহুগী—মোং (মত) হান্দজারে।

কৃষ্ণ যবে অবতরে সর্ব্বাংশ—আশ্রয়।
সর্ব্ব—অংশ আসি তবে কৃষ্ণতে মিলয়॥ ১১৪
যেই যেই-রূপে জানে, সেই তাহা কহে।
সকল সম্ভবে কৃষ্ণে, কিছু মিথ্যা নহে॥ ১১৫
অতএব শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য গোসাঞি।
সর্ব্ব-অবতার লীলা করি সভারে দেখাই॥ ১১৬

অর্থ :—

কৃষ্ণ অবতাবদা অংশশিং চংজখিবনি।
অংশ পুম্নমক লাক্লুনা কৃষ্ণদা তিনবনি॥ ১১৪
মানা-মানা উবা শক অহুতা হাঙ্গৈজবনি।
কৃষ্ণদা হাঙ্গৈবা ইযা-যাই মিনম্বা নত্তবনি॥ ১১৫
মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য গোসাঞিনা।
খ্বাইদা উহল্লী অবতার ময়াম পুখোক্লুনা॥ ১১৬

গৌর-কৃপা-টীকা

১১৪–১১৫। শ্রীকৃষ্ণগী মবমদা মথক্তা হাঙ্গৈরিবা অসি করম্না চুম্বগে, মাহু হাঙ্গৈজরি। শ্রীকৃষ্ণদি স্বযং ভগবান্নি, পূর্ণতম (খ্বাং পুম্নমক্কগী হেন্না মপুং ফারবা) ভগবান্নি, অতোপ-অতোপ্পা ভগবংকী মশকশিং অসি, ইবুংঙো মহাক্কী অংশনি অমসুং পুম্নমক্কী চংজফমদি মাডোম্লনি। মহাক্কা অবতার তৌবা কান্দা নাবাযন্নচিংবা ভগবংকী মশক পুম্নমক্কা শ্রীকৃষ্ণগী বিগ্রহ=হকচাংগী মনুংদা লাক্লুনা চংজরৈ (তিনজ'র) হাঙ্গৈবদি অমতা ওইনা তিম্নহুনা লৈ। ভক্তশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং অহুদা মানা মানা নীংজবা ভাবকী মতুংইন্না ভগবংকী মশক অমমম ওইনা উবা ফংঙী, কনাগুম্বনা শ্রীকৃষ্ণবু নর-নারায়ণগী মশক ওইনা উই, মখোয়না শ্রীকৃষ্ণবু নর-নারাযন্নি হাঙ্গৈগনি, বামন ওইনা উরিবা মখোয় অহুনা বামন্নি হাঙ্গৈগনি; মখোয় অহুগী র্‍া অহু মিনম্বা নত্তে, মরমদি শ্রীকৃষ্ণদা ভগবংকী মশক পুম্নমক্কা চংজহুনা লৈ।" ১।২।৯৩ পয়ার টীকাদা য়েংবিয়ু।

অংশশিং তিনবনি অংশ পুম্নমক্কা চংজবনি। (১।৪।৯ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু)। অংশ পুম্নমক—ভগবংকী মশক পুম্নমক।

১১৬। খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকপা ভগবানগী মশাদা ভগবংকী মশক পুম্নমক্কা চংহুনা লে মাহুগী প্রমাণ পীজরি, পাম্বে ওহুহুন শ্রীমন মহাপ্রভুনা। শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যাদি

এইরূপে নিত্যানন্দ অনন্ত প্রকাশ।
সেই ভাবে কহে—'মুঞি চৈতন্যের দাস'॥ ১১৭
কভু গুরু কভু সখা কভু ভৃত্য-লীলা।
পূর্ব্বে যেন তিন ভাবে ব্রজে কৈল খেলা॥ ১১৮
বৃষ হৈয়া কৃষ্ণসনে মাথামাথি রণ।
কভু কৃষ্ণ করে তাঁর পাদসংবাহন॥ ১১৯
আপনাকে 'ভৃত্য' করি, কৃষ্ণ 'প্রভু' জানে।
'কৃষ্ণের কলার কলা' আপনাকে মানে॥ ১২০

অর্থ :—

মতৌ অতুম্না অনন্ত ওই নিত্যানন্দনা।
অনন্ত ওইরগা, চৈতন্যগী মনাই ওই ঐনা'॥ ১১৭
করিগুম্বদা ওই গুরু, মরূপ, মনাইগী লীলা।
ব্রজদা শাম্নবগুম্না ভাব অহুমগী লীলা॥ ১১৮
কৃষ্ণ বলরাম কোক্না যণ রাইনৈ যণ শাহনা।
করিগুম্বদা বলরামগী খোঙ হাম্মী কৃষ্ণনা॥ ১১৯
করিগুম্বদা বলরামসু মনাইনি খল্লী।
কৃষ্ণগী কলাগী—কলানি হাঙ্গনা খল্লী॥ ১২০

গৌর-কৃপা টীকা

স্বয়ংভগবান্নি, ভগবংকী মশক পূম্নমক্না মহাক্কী মশা মনুংদা লৈ, মরম অতুনা মহক্না কবিগুম্বা মতমদা বরাহদেবগী মশক ওই, করিগুম্বা মতমদা নৃসিংহদেবগী মশক (হকচাংনা মী ওইরগা কোক্না নোংশা মকোক পানবা মূর্ত্তি), করিগুম্বা মতমদা শ্রীশবগী মশক করিগুম্বা মতমদা ভগবতীগী মশক, কবিগুম্বা মতমদা লক্ষ্মীগী মশক অসিনচিংবা ভগবংকী মশক পূম্নমক অসি ওইদুনা জীবদা ফোংদোক্লুনা উহনখি। ইবুংঙো মহাক্কী মশা মনুংদ মূর্ত্তি ময়াম অসি লৈরমদ্রবদি খ্বাইদা পুথোক্লুনা উহনবা ওন্নম্মোইদবনি। ১।৭।৮ পয়ারগী টীকাদা য়েংবিয়ু।

১১৭। অনন্ত ওই—শ্রীনিত্যানন্দনা অনন্ত ওইনা ফোংদোকই (সাইওন্না)। ঐনা—শ্রীনিত্যানন্দনা।

১১৮। শ্রীনিত্যানন্দনা গুরু, মরুপ অমসুং মনাইগী ভাব অহুম অসি ওইদুনা লীলা তৌই, ব্রজলীলাদা শ্রীবলদেব ওইনসু মহাক্না ভাব অহুম ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ওইনা লীলা শান্নে।

১১৯—১২০। শ্রীবলদেব ওইদুনা গুরুনচিংবা ভাব অহুমগী লীলা শ্রীনিত্যানন্দনা তৌই। মাহুগী থুদম পীজরি। যণ শাদুনা—কম্বলনচিংবা ফিনা হকচাং কুপসিন্দুনা যণ

তথাহি (ভা, ১০ । ১১ । ৪০)—
বৃষায়মাণৌ নর্দ্দন্তৌ যুযুধাতে পরস্পরম।
অনুকৃত্য রুতৈর্জন্তূংশ্চেরতুঃ প্রাকৃতো যথা ॥ ১৭
তথাহি তত্রৈব (১০ । ১৫ । ১৪)—
ক্বচিৎ ক্রীড়া—পরিশ্রান্তং গোপোৎসঙ্গোপবর্হণম।
স্বয়ং বিশ্রাময়ত্যার্য্যং পাদসংবাহনাদিভিঃ ॥ ১৮

গৌর-কৃপা-টীকা

শারগা অমসুং যণগী মতৌগুম্না কী-কী কায়গা মকোক লুকথহুনা। যণ রাইনৈ কোক-কোকা থেঙ্গাইনৈ। শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীবলরাম অনিনা মশা পুম্নমক কম্থলনচিংবা মিনা কুপসিলগা থুরু খুদক কুন্দুনা যণ শাবে, অহুদগী যণগী মতৌগুম্না মো-মো খোংহুনা মকোক লুকথহুনা, থাঙ্গৈশেংবা যণ রাইনবদৌনা রাইনৈ। মাসিনা কো'দোক্লিবা অর্থদি মরূপ মমান্নবদৌনা তিন্নৈ হাঙ্গৈবা তাকপনি। খোঙ-হাম্মী—করিগুম্বদা শ্রীকৃষ্ণন শ্রীবলদেবগী খোঙ হাম্মী। মাসিনা খুঙনরিবনা শ্রীবলদেবনা গুরুগী ভাব ফোংদোকপনি। বলরামসু মনাইনি থল্লী করিগুম্বদা শ্রীবলরাম্না মশাবু শ্রীকৃষ্ণগী মনাইনি হাঙৈনা থল্লী, অমসু শ্রীকৃষ্ণবু মশাগী মবুংঙো (প্রভু) নি হায়না থল্লী, করিগুম্বদসু শ্রীকৃষ্ণগী মখোঙ হামহুনা সেবা তৌই। কলাগী কলা—অংশগী অংশ মাসিদা শ্রীবলরাম্না মনাইগী ভাব ফোংদোকই, পয়ার অনি অসিবু চেংননবগীদমক মখাদা শ্লোক খব দোচরি।

শ্লো। ১৭। অন্বয়। বৃষায়মানৌ (যণগী মতৌগুম্না তৌহুনা) নর্দন্তৌ (যণগী মতৌগুম্না খোংল-খোংলহুনা) [রামকৃষ্ণৌ] (রামকৃষ্ণ) পরস্পরং যুযুধাতে (অমগা অমগা লাল তৌনরম্মী)। রুতৈ (খোঞ্জেল্না) জন্তূন (কাংঙ + রাহোংনচিংবগী) অনুকৃত্য (মতৌতমহুনা)। প্রাকৃতো যথা (অচম্বা অঙাংগী মতৌগুম্না) চেরতুঃ (কোঙৈরম্মী)

অনুবাদ। কৃষ্ণ অমসুং বলরামনা যণগী মতৌগুম্না চংহুনা অমসুং খোংল-খোংহুনা অমগা অমগা লাল তৌনৈ। কাংঙ, রাহোং, নচিংবা উচেকী মখোনগী মতৌতমহুনা অচম্বা অঙাং অমগী মতৌগুম্না কোঙৈরম্মী॥ ১৭। যণ শাহুনা মসিনচিবা পয়ার ১১৭ গী অহানবা ভংথাই অহুগী প্রমাণি শ্লোক অসি।

শ্লো। ১৮। অন্বয়। ক্বচিৎ (করিগুম্বদসু) স্বয়ং (শ্রীকৃষ্ণ) ক্রীড়া—পরিশ্রান্তং (শান্নবদা রাহুনা) গোপোৎসঙ্গোপবর্হণং (কনাগুম্বা গোপগী তম্পাক্তা মোন থাডহুনা হিপ্লিবা) আর্য্যং (ময়াম্বুং শ্রীবলরামবু) পাদসম্বাহনাদিভিঃ (খোংনেইবনচিংবা তৌহুনা) বিশ্রাময়তি (পোথাহল্লী)।

তত্রৈব (১০।১৩।৩৭)—

কেয়ংবা কুত আয়াতা দৈবী বা নার্য্যুতাসুরী।
প্রায়ো মায়াস্তু মে ভর্ত্তুর্নান্যা মেঽপি বিমোহিনী॥ ১৯

গৌর-কৃপা-টীকা

অনুবাদ। শ্রীবলদেবনা করিগুম্বদস্সু অস্সুম শাম্নরম্বদগী য়ারহূনা কনাগুম্বা গোপ-অঙাং অমগী মতম্পাক্তা মোন থাঙহূনা হিপ্লিন্ডৈদা স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণনা খোঙ নোইবনচিংবা তৌহূনা মযাম্সুং বলবাম্সু পোত্থাহল্লী (তূ. হল্লী)। ১৮

খোঙ-নোইবনচিংবা—খোঙগী সেবা অমস্সুং হুমাই হুম্বা ; উনা কুংনা পানবা উশা মচা ওমনা শ্রীকৃষ্ণনা মযাম্সুংদা হুমাই সেবা তৌই।

শো। ১৯। অন্বয়। ইয়ং (মাসিবু) [মায়া] (মায়া) কা (কনানো)? কুতঃ বা (কদাইদগী) আযাতা (লাকপনো)? [কিং] (করিনো) দৈবী (দৈবী, লাই) নারী (নুপী) বা উত (অমদি, নত্রগা) আসুরী (হিংচাবীগী মায়ারা)? প্রায় (ওইবা য়াই) মে (ঐগী) ভর্ত্তুঃ (ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণগী) মাযা (মায়া) অস্তু (ওইগনি); [যতঃ] (মরম অদুনা) অন্যা (অতোপ্পা মায) মে অপি (ঐবু) বিমোহিনী (শুমহৎপা ঙম্বা) ন। ভবেৎ (ওইবোই)।

অনুবাদ। শ্রীবলদেবন হায়রকই: "মাসিবু করম্বা মাযানো? মাসিবু কদাইদগী লাকপনো? মাসিবু লাই নুপীনো? (হেলোইগী) মাযাবা? নত্রগা মীগী (নুপীগী) মাযারা? নত্রগা হিংচাবীগী মাযাবা? মাসি ঐগী ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণগী মাযা ওইগনি, মরমদি, অতৈ অতোপ্পা মাযানা ঐবু শুমহৎপা ঙমদে। ১৯

দেবী—কনাগুম্বা লাই অমনা থাজিল্লকপা মাযা। নারী কনাগুম্বা মী অমনা থাজিল্লকপা মাযা। আসুরী কনাগুম্বা হিংচাবা অমনা থাজিল্লকপা মাযা।

শ্রীকৃষ্ণনা চহি মবি শুরক্লবদা বল্লাওমচাশিং শেনবা হৌননবগী য়াথং ফংঙী। অহি মাল্লবা (লেপ্পা ওইবা) গোপগী অঙাংশিংগা লোয়ননা মানা মানা যুমদা লোইরিবা বল্লাওশিং অদু পুথোকরক্তুনা বন্দা চংলি। শ্রীকৃষ্ণগী অফবা-মওং অদু খঙনিংহূনা ব্রহ্মানা নোংমা বল্লাওমচা পুম্নমক অমস্সুং গোপগী অঙাং পুম্নমক অমস্সুং গোপগী অঙাং পুম্নমক অদুবু লোৎতুনা থনম্মী। মুমিং অদুদি বলদেবদি মণ শেনবা চংতে, মযুমদা লৈহৌই। লীলাশক্তিগী মথৌনা শ্রীকৃষ্ণ মশামক্না হুরানখ্রিবা বল্লাওশিং অমস্সুং গোপগী অঙাং ওইহূনা শক্লোন পুথোক্তুনা য়াচংবগী মতমদা মযুম মযুমদা হল্লক্লে। ব্রজবাসীশিংন মপুক্লিংনা নীংঙৌ, মখোইগী অঙাংশিং যুমদা হল্লক্লে। শ্রীকৃষ্ণনা মখোই অদুবু পুহূনা মমাংঙৈগী মতৌগুম্না

তত্রৈব (১০ । ৬৮ । ৩) –
যস্যাঙ্ঘ্রি পঙ্কজরজোঽখিললোকপালৈ—
মৌল্যুত্তমৈর্ধৃতমুপাসিততীর্থ ম।
ব্রহ্মো ভবোঽহমপি যস্য কলা: কলায়াঃ
শ্রীশ্চোদ্বহেম চিরমস্য নৃপাসনংক॥ ২০

গৌর কৃপা-টীকা

মন্নাও মচা শেনবা চংলি। মসুং অসিদা ব্রজবাসীশিংনা অমসুং যণবীশিংনা মশা মশাগী মচাশিং অহু মাহৌশ। মুংশিরম্বদগী অমুক থরা হেন্না মুংশিবা হেনগংখরে অমসুং শ্রীকৃষ্ণদা মুংশিবসু মহৌশাদগী হেনগংখরে। মতৌ অসুম তৌনা চহি অমরোম লেপ্লে। চহি মপু চপ-চানা ফাগদবা মুমিং মতা তককনিরোম রাংলিউদা নোংমদি থৌদোক অমা থোক্লে। শ্রীকৃষ্ণনা গোপগী অঙাংশিং অহুগা লোঈনবা মন্নাও শেম্নিউদা বলরামসু চংসি-ল্লকই, গোবর্দ্ধনগী তমন্নাগী মফম অমদা মন্নাও মচাশিং অহু থাদোক্লগা গোপগী অঙাংশিং অহু শান্নরম্মী, বলবান্না মখুৎ ওঈনান শ্রীকৃষ্ণগী মঙক্তা কোনসিন্দুনা ফম্লম্মী। গোবর্দ্ধনগী মথক্তা পুকক চাওববা গোপশিং খন্নবা যণবী মযাম শেল্লম্মী, মফম অহুদগী (চী থক্তগী) যণবীশিং অহুনা চীংমখাদা শঙিক চন্নিবা মন্নাওশিং অহুবু উংতুনা শোর মপী হোন্দুনা চুমত্রিং-চুন্না চেম্বরক্লে, গোপশিং অহুনা মখোযবু থিংবা-থৎপা ঙমদরে, মাহুদা মখোযনা অঙাংশিং অহুদা শাওবক্লে—যণবীনা উগদবা মফমদা কবিগীদমক মন্নাও শেল্লবিবনো হায়তুনা। অহুদগী পুন্নমক কুমথরক্লে। গোপশিং অহুন অঙা শিং অহুবু চৈ-থাংবা বারকপদি তৌত্রহুনা মবুক্তা কোনসিন্দুনা থম্লে, অহুগা যণবীশিং অহুস্ন অনৌবা মচাবু থাদোক্লগা শ্রীকৃষ্ণনা ওল্লিবা মন্নাও অহুদা মখোম শিথক্রবে। মাহু উরগা বলবামা অংকপা ফংলে—ঙসিতা নত্তন চহি ক্ষানিংচিং যেরবা ফাওবা যাবীশিংনা অংতানবা মচাদগী অবিবা মচানা হেন্না মুংশিবা ফোংদোক্লে। "তৌইগুম্বসুং অমুক কুইরবা অসি ঐদি ভাব তাবা ইঙম-ঙমদে।" মাসি কবস্বা মাযা ওইরিগবা? তৌইগুম্বসুং মাযা ওইরগা করম্বা মান্নানো? লাইগী মান্নারা? মীগী মাযাবা? হিংচাবীগী মাযাবা? তৌইগুম্বসুং লাই, হিংচবী, মীগী মান্নাদি ওইরমগনি হায়না নীংদে। কবিগুম্ব মায়া অমতনা ঐবু শুমহৎপা ঙমদে মাসি ইশোঈ শোঈদনা এগী ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণগী মাযা ওইগনি। শ্লোক অসিদা শ্রীবলদেব মশামক্তা শ্রীকৃষ্ণবু মহাকী মবুঙোনি (প্রভূনি) হাযবি। মাসি পয়ার ১২০ গী অহানবা তংথাই অহুগী প্রমাণ্নি।

শ্লো। ২০। অন্বয়। যস্য শ্রীকৃষ্ণগী) কলায়াঃ (অংশগী মনাইগী) কলা (অংশ মনাই) ব্রহ্মা (ব্রহ্মা) ভবঃ (শিব) অহম অপি (ঐস্ম) শ্রীঃচ (অমসুং লক্ষ্মী) অখিল লোকপালৈঃ (মী পৃথমকপ্ ঙাকপিন্নিবশিংনা) মৌল্যুত্তমৈঃ (লৈত্তেলেকা শোক্তা, লুহুপ্তা)

গৌর-কৃপা-টীকা

ধৃতং (হাপ্লি) উপাসিততীর্থতীর্থং (মীপূন্নমক্লা সেবা তৌরিবা তীর্থ পূন্নমক্কী মকোক্লি) যস্য (মহাক্কী, শ্রীকৃষ্ণগী) অঙ্‌ঘ্রি-পঙ্কজরজঃ (খুয়া থম্বানগী উফুল) চিরং (মতমকুইনা) উদ্বহেম (কোক্তা হাপ্নী), তস্য (অত্থুম ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী) নৃপাসনং (নিংথৌ ওইবনা) ক কৈদৌনগনি)?

অনুবাদ। শ্রীবলদেবনা হায়রকই :—শ্রীকৃষ্ণগী মখোং থম্বানগী খুয়াগী উফুল অদু, ব্রহ্মানচিংবা মী পূন্নমকপু ঙাকপিবিবশিংনা মখোঈগী মশাগী লৈতেং ওইনা মকোক্তা হাপ্লি অমসুং মাদুনা মী পূন্নমক্লা সেবা তৌবিবা তীর্থ পূন্নমক্কীসু মকোক্লি ; ইবুংঙো মহাক্কী অংশগী অংশ ওইবা ব্রহ্মা, শিব অমসুং ঐসু অদুগা লক্ষ্মীসু শ্রীকৃষ্ণগী চরণগী উফুল অদু কোক্তা হাপ্লিবনি অদুনা অত্থুম ওইবা শ্রীকৃষ্ণদুনা নিংথৌ ওইবনা কৈদৌনগনি? ২০। শ্রীকৃষ্ণগী মচা দ্বারকাদা লৈবা 'সাম্ব' কৌবনা স্বয়ম্বর-সভাদগী দুর্য্যোধনগী মচা নুপী 'লক্ষনা' কৌবীবু চুদুনা (চেন্দুনা) পুখবে, মাদুদা কর্ণনচিংবা কুরু শাগৈগী অকনবশিংনা মহাকপু মাঈথীবা পীদুনা হস্তিনা কোন্নুংদা পুন্নতুনা ফাদুনা থম্লে। পাউ অসি শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা খংহনখবে, মাদুদা শ্রীবলদেব মশামক্লা বৃষ্ণি শাগৈগা কুরুশাগৈগা থংনবা খামজিনগে হায়দুনা উগ্রসেনগা উদ্ধবনচিংবগা মী কয়ামুক লোঈনদুনা হস্তিনা কোন্নুংদা থুংলম্লে অমসুং অমসু-অমসু ৱারৌনবা লৈতনা সাম্ববু থাদোকউ হায়রে (আপোষ ওইনবসি হাঈরে)। মাদুদা নাপন চাটম্লবা দুর্য্যোধন্না মশাগী ইজৎ মাংহল্লে হাঈনা খন্দুনা বৃষ্ণি শাগৈগী লাক্লিবা অহল্ল-লমন অদুবু চৈব-চৈবদুনা হায়বকই "ঐখোয়গী থৌজাল্দগী বৃষ্ণি শাগৈশিংনা ছিংজল্লিবনি, ঐখোয়না মখোয়দা নিংথৌ ওইজনবা হায়দুনা লৈবাক মচা অমা পীবিল্লিবনি, নত্রবদি মখোয়না নিংথৌ ওইবা বদাল্লদগী ফংগদগে? কয়াদা ঙকখ্রবা! ঐখোয়গী থৌজালদগী হিংজল্লগা হৌজিক ঐখোয়দা ইকাইবা খঙদবা মতৌগুম্না ৱাফেনবিল্লি।"

শ্রীবলদেবনা মতৌ অসুম তৌনা অথীবা ফজদবা ৱাহৈ অসি তাল্লগা খুল্লকপা ৱা অদু "যস্যাঙ্‌ঘ্রি পঙ্কজ" নচিংবা শ্লোক অসিদা ফোংদোকচবি। শ্লোক্কী অর্থ-মচাদি অসিনি :—দুর্য্যোধন! শ্রীকৃষ্ণগী নিংথৌগী খুবম অসি নখোয়না চানবিদুনা পীবিবনি হাঈদুনা নাপন তৌরিবরা ; শ্রীকৃষ্ণদি নিংথৌগা খুবম্না করি তৌনগনি? নিংথৌগী খুদম্না মহাক্কী মগুণবু চাউথংহনবা ঙমবল্লা? ইবুংঙো মাগী চরণগী (মখোংগী) উফুল অদু লাইবক-কবা মতম থোক্তুনা কোক্তা হাপচবা ফংবদা ব্রহ্মানচিংবা লাই, মীওইববু ঙাকপিল্লিবশিং অদুনা মীবু ঙাকপিবা শেম্বিনা ঙম্বগী শক্তি অদু ফংভী, ফিবম অসিদা নিংথৌ ওইবনা

একলে ঈশ্বর কৃষ্ণ, আর সব ভৃত্য ।
যারে যৈছে নাচায় সে তৈছে করে নৃত্য ॥১২১

অর্থ :—

ঈশ্বরদি শ্রীকৃষ্ণতনি অতৈদি মনাইনি ।
মহাক্না নীংবা অতুতা অতৈনা তৌবনি ॥১২১

গৌর-কৃপা-টীকা

মহাক্কী করি অমুক ইকাই খুম্নবা হেন্নকখিগদবা ? পিক্রবা পৃথিবীগী পিক্রবা শরুক অমদা নিংথৌ ওইবগা নংনা অমুক নাপন তৌবা । মশিং থীফম খঙদবা কোটি ব্রহ্মাণ্ডগী (পৃথিবীগী) মপুশিংনা (নিংথৌশিংনা) ইবুংঙো মহাক্কী মখোঙগী উফুল অতু মকোক্না হাপচবা ফংবদা মশা-মশানা মহয যাল্লে হাযনা নীংনবি—ব্রহ্মা শিব ঐহাক—করি অমুক হান্নখিনি মপান নাইদবা ঐশ্বর্যগী ভুংফম ওইরিবা স্বয়ং লক্ষ্মী যাওবা ইবুংঙো মহাক্কী—অংশ কলানি অমসুং মহাক্কী খুযা। উতুল মাবাক্ত হাপচরিবনি নিংথৌ ওইবা—কবিস্থ লৈতবা নিংথৌগী খুবম—পিকখ্রবা লেবাক অমদা ওন। নিংথৌ ওইবা ফংলগা অতুদগীসু অমুক হেন্না পিকখ্রবা লৈবাক অ০ নংনা মাঙোন্দা পীবনি হাযদুনা নাপন তৌরিবা, অতুম ওইবা কবিস্থ লৈতবা পীকখ্রবা নিংথৌগী খুবম অ০না ইবুংঙো মহাক্কী মগুণবু চাওথৎপা করি হেনৎবাদৌরিবানে, দুর্য্যোধন ?

শ্লোক অসি স্বয়ং বলদেবনা হাঙ্গৈরিবনি । মহাক্না শীবুংগী খুযাগী উতুলব মকোক্না হাপ্পী, মরম অতুনা শ্রীকৃষ্ণ অসি মহাক্কী প্রভুনি (মবু ভোনি)। অমুবস্তু হাযবি মহাক অসি শ্রীকৃষ্ণগী কলাগী কলানি। পযার ১২০গী প্রমাণ্ডি শ্লোক অসিনি।

১২১। শ্রীকৃষ্ণন স্বয়ং ভগবান্নি, মরম অতুনা পূন্নমক্কী ঈশ্বরনি, পযার ১১৮–১১ দ হাঙ্গৈখি, বলদেবনা করিগুম্বদসু শ্রীকৃষ্ণগী এক্কজন থোকই হাঙ্গৈদুনা নীংঙ্ক অমসুং শ্রীকৃষ্ণসু করি-করিগুম্বদা মহাক্কী খোঙ নোইবনচিংবা সেবা তৌই, মাতৌ অসুম তৌদুনা লরবদি শ্রীকৃষ্ণনা পূন্নমক্কী ঈশ্বরনি হাযবগী মরমদা মযেং তাবকপা য়াই। অস্পা চি নবক্কদবা অসি কোক্কনবগীদমক পয়ার অসিদা ফোংদোক্লি :—অমত ওইবা ঈশ্বরদি শ্রীকৃষ্ণতনি, অতুগা ভগবৎকী মশক পূন্নমক অমসুং ভগবৎকী লোইনবা কযামুক লৈ, পূন্নমক অতুগী তত্ত্ব থিকর-বদি শ্রীকৃষ্ণগী মনাইনি, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা মখোঙ্গী অতুবু ওইহন্নীবা মওং অমা ওইহন্দুনা থম্বিরি। লীলা-রসকী অঙকপা অতু চুপ্পনবগীদমক কনাগুম্বা লেঈনবা অমবু

গৌর-কৃপা-টীকা

নীংলকপগী মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণগী গুরুজন্নি হাঙ্গৈনা নীংহল্লী, মতৌ অদুদা লোইনবা মরুপ অদুসু লীলা শক্তিগী গুন্না ইখণ্ড খণ্ডনা কৃষ্ণগী ময়াম্বনি হাঙ্গৈনা অদুম খনখরে। মতৌ অসুম তৌদুনা লীলাশক্তিগী ইঙ্গিংনা শ্রীবলদেবনা কবি-কবিগুম্বা মতমদা মশাবু শ্রীকৃষ্ণগী ময়াম্বনি হাঙ্গৈনা খল্লী অমসুং রাখল অদুমক্তা শ্রীকৃষ্ণনা সেবা তৌজনীংলিবা খোঙ নোইবা অদু তৌহন্দুনা শ্রীকৃষ্ণবু মুংঙাইহল্লী। শ্রীনন্দ-যশোদানচিংবগী পুক্নিংদা শ্রীকৃষ্ণবু মচানি হাঙ্গৈনা খল্লী, মাদুসু লীলা শক্তিগী গুন্নান, শ্রীকৃষ্ণ অমসুং নন্দ-যশোদাবু ইখণ্ড-খণ্ডহন্দনা লীলাশক্তিনা (যোগমায়ানা) মতৌ অসুন্না নীংহন্দুনা থম্মী। শ্রীকৃষ্ণনা ঈশ্বরনি মপুনি, অদুগা মরুদা পূম্নমক মহাক্কী মনাইনি, মহাক্কী লীলাদা তেংবাংবনি। মরম অসিনা ইবুংঙো মহাক্কী অপাম্বা মতুংইন্না লীলাশক্তিনা ব্রজবাসীশিং অদুগী থমোইদা চংদুনা শ্রীকৃষ্ণগী লীলা শান্নবদা মুংঙাইনবগীদমক কনাগুম্বা মী খরবুনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোইগী মরুপ্নি হাঙ্গৈনা, খবা অমবু কৃষ্ণগী মনাইনি হাঙ্গৈনা, খরা অমবুনা খরাইগী ইবুংঙোনি হাঙ্গৈনা খলহল্লী।

অদৈতদি –অতোপ্পা পূম্নমকপুদি। মথক্কী পয়ার ১১৭—২০ দা অমসুং শ্লোক ১৭। ১৮। ১৯। ২০ দা শ্রীবলদেবচন্দ্রগী রা ওাক্তা হাঙ্গৈখবে অমসুং মাদুগী মরমদগী খণ্ডনবা তারে— ঈশ্বরদি শ্রীকৃষ্ণতনি অদৈতদি মনাইনি। শ্রীবলদেবদি ভগবৎকী মশক ওই, শ্রীকৃষ্ণগী লোইনবসু ওই। শ্রীবলদেবগী মতৌগুম্না ভগবৎকী মশক পূম্নমক অমসুং ভগবৎকী লোইনবা পূম্নমকপু পয়ার অসিদা, 'অদৈতদি' হাঙ্গৈবা রাহে অসিনা খণ্ডনবা তাবে। পয়ার ১২২ দা হাঙ্গৈবিবনা—"অসুন্না ঈশ্বরদি শ্রীচৈতন্য মতোমতান। অদৈতনা লোইনবনি—খবনা মনাইনি।" পয়ার ১২১ গা ১২২ গা যান্না নকুবা মরী লে শ্রীকৃষ্ণ মতোমতনা ঈশ্বর' ওই। পয়ার ১২১ গী 'অদৈতদি' রাহে অনিগা পয়ার ১২০ গী 'অদৈতনা' রাহে অসিগা অমহান। পয়ার ১২২ গী 'অদৈতনা' রাহে অসিনা খণ্ডনরিবদি লোইনবগা মনাইগা খণ্ডনৈ। অদুনা মরুম অসিদা লোইনবা' রাহেগী অথদি 'অদৈতনা' রাহেগা অমহা ওইরে। অদুগী মতুংদা অমুক হাঙ্গৈরিবনা 'মনাইনি' হাঙ্গৈন্নি, রা অসিদা করি ভাব পলববগে হাঙ্গবদা লোইনবিবশিং অদুগী মন্নুংদা খবদি মনাইনি হাঙ্গৈবদি কনা কনাগুম্বগী মপুক্নিংদা মনাইনি হাঙ্গৈনা নাংঙৌ। (ব্রজদা শ্রীবলদেবনা মপুক্নিংদা করিগুম্বা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী গুরুনি হাঙ্গৈনা খল্লী, করিগুম্বা মতমদা মরুপ্প হাঙ্গৈনা খল্লী, অদুগা করিগুম্বা মতমদসু মনাইনি হাঙ্গৈনা খল্লী) অদুগা শ্রীনারায়ণচিংবা ভগবৎকী মশক লেপ্লিবা পূম্নমক অসিসু শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা তেংবাংবা ওইবিবা অতে পূম্নমক অদুগী মনুং চল্লী। শ্রীকৃষ্ণ অমসুং মাগী লীলাশক্তিনা পূম্নমক অসিবু ওইহন্নাংবনি। ধৃতহল্লী। মখোই পূম্নমক অসি শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি, অংশীনা সেবা ... ভাবদি মহৌশাগী ধর্ম্মনি, মরম অদুনা অংশ ওইবা মখোই পূম্নমক অসিবু

এইমত চৈতন্য গোসাঞি একাক ঈশ্বর।
আর সব পারিষদ—কেহ বা কিঙ্কর॥ ১২২
গুরুবর্গ নিত্যানন্দ অদ্বৈত আচার্য্য।
শ্রীবাসাদি আর যত লঘু সম আর্য্য॥ ১২৩
সবে পারিষদ, সবে লীলার সহায়।
সবা লঞা নিজ কার্য্য সাধে গৌররায়। ১২৪

অর্থ :—

অমুম্না ঈশ্বরদি শ্রীচৈতন্য মতোমতনি।
অতৈনা লোঙ্গনবনি-খরনা মনাইনি॥ ১২২
নিত্যানন্দ অদ্বৈতদি গুরুগী কাংবুনি।
শ্রীবাসনচিংবা অতৈনা মনাইনি মরুপ্নি॥ ১২৩
পুম্নমক লোঙ্গনবনি লীলাগী তেংবাংবনি।
গৌররায়, ময়াম লোঙ্গননা মথৌ পাংথোকপনি॥ ১২৪

গৌর-কৃপা টীকা

শ্রীকৃষ্ণগী মনাইনি হাঙ্গবা য়াই। "অবতার পুম্নমক ভক্তগী মচুংচল্লী;" কনা কনাগুম্বনা হাঙ্গনৈ—'অতৈদি মনাইনি' হাঙ্গবা য়াহে অসিদা, মায়াদা লুপ্তুনা লৈরিবা জীববুম্ন মনাইনি হাঙ্গনা খনবা য়াই; তৌইগুম্বসুং মাহুম হাঙ্গনা খনবদি থাঙ্গেশেংবদি নত্তে, মকম অসিদা হাঙ্গরিবদি শ্রীকৃষ্ণগী নিতি লোঙ্গনরিবশিংগী য়ানি। শ্রীকৃষ্ণবু খোশাদবা মায়াদা লুপ্তুনা লৈরিবা জীবশিংবুদি হোৎফমদা শ্রীকৃষ্ণগী মনাই ওইরবম্নু মায়াশক্তিনা কোইলৈ-লৈত্তুনা পুরি। অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী পুংলোন মতুংইন্না জগোই শাবা য়াওবা ওমদে। মায়াগী পুংলোন মতুংইন্না জগোই শারি।

১২২-২৩। শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীচৈতন্যগী মশক ওইত্তুনা অমসুং শ্রীবলদেবনচিংবা শ্রীকৃষ্ণগী লোঙ্গনবশিংনা শ্রীনিত্যানন্দনচিংবা গৌরগী লোঙ্গনবা ওইনা সাওন্নরে; মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগা বলদেবগা লৈনবা মরী অদু, নবদ্বীপ লীলাদা শ্রীচৈতন্যগা শ্রীনিত্যানন্দনচিংবগা নত্তুনা লৈনরে। নবদ্বীপলীলাদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা ঈশ্বরনি, ইবুংঙো মহাক্না পুম্নমক্কী ঈশ্বরনি, স্বয়ং ভগবান্নি; অদুগা শ্রীনিত্যানন্দনচিংবা পুম্নমক্না মহাকী-ভক্তনি; লোঙ্গনবশিংগী মন্নুংদা লীলারস লোঙ্গননবগীদমক কনাগুম্বা খরনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মনাইনি, খরনা গুরুজন্নি (অহল-লমন), খরনা মমান্নবনি হাঙ্গনা নীংঙী।

লোঙ্গনবনি—লৈমিন্নবনি, তিন্নবনি।

১২৪। লীলাগী মতুংইন্না কনাগুম্বনা মরুপ, মনাই, গুরু ওইবা খণ্ডনরবম্নু পুম্নমক অদু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী লোঙ্গনবা ভাক্তনি, মখোঙ্গ পুম্নমক অদুনা লীলাগী তেংবাংবা ওই।

অদ্বৈত-আচার্য্য নিত্যানন্দ—দুই অঙ্গ।
দুই জন লঞা প্রভুর যত কিছু রঙ্গ॥ ১২৫
অদ্বৈত-আচার্য্যগোসাঞি সাক্ষাৎ ঈশ্বর।
প্রভু 'গুরু' করি মানে, তেঁহো ত 'কিঙ্কর'॥ ১২৬

অর্থ :—

অদ্বৈত আচার্য্য-নিত্যানন্দ হকচাং অসিনি।
প্রভুনা শান্নবা লীলাদা অনিমক য়াওবনি॥১২৫
অদ্বৈত-আচার্য্য গোসাঞি সাক্ষাৎ ঈশ্বরনি।
প্রভুনা 'গুরুনি' খল্লী, মহাক্তি মনাইনি॥১২৬

গৌর-কৃপা-টীকা

মথৌ- ব্রজদা নীংবা থুংলক্তবা মরম অহুম অতুনা, মনুংগী থবক্কি অমসুং নাম শন্দোকপনচিংবনা মপানগী থবক্কি। স্বরূপদামোদরগা রায় রামানন্দনচিংবা লোঈনবশিংনা মহাকী মনুংগী লীল নী লকপা অহুম অতু থুংননবা তেংবাংঙী অমসুং শ্রীনিত্যানন্দ—হরিদাসনচিংবশিংনা মরু ওইনা নাম-প্রেম শন্দোকপনচিংবা লীলাগী তেংবাংঙী।

১২৫। শ্রীগৌরাঙ্গগী লোঈনবশিংগী মনুংদা শ্রীঅদ্বৈতআচার্য্য অমসুং শ্রীনিত্যানন্দনা মরুনি, মরমদি, মখোঈ অনি অসি প্রভুগী হকচাংগী মশক্কি; প্রভুনা করিগুম্বা লীলা অমা শান্নবদা মখোঈ অনিবু লোঈনরগা পাঙথোকই, অতুনা মখোঈনা প্রভুগী লীলাগী মরু ওইবা উপায়নি (পাম্বৈনি)।

১২৬। শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্য অসি মহাবিষ্ণুগী অংশ অবতারনি হাঈতুনা সাক্ষাৎ থাজৈশেংবা ঈশ্বর-তত্বনি, ঈশ্বর-তত্ব ওইরবসু মহাক অসি শ্রীকৃষ্ণগী অথন্নবা কলা অমনি (মনাইগী মনাই অমনি)); মবম অসিনা মরুদদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অসি মহাকী প্রভুনি (মবুংঙোনি); অতুম ওইনমক লীলাদদি মহাপ্রভুনা শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যবু গুরুনি হাঈনা নীংঙী; তৌইগুম্বসুং অদ্বৈত মশানদি প্রভুগী মনাইনি হাঈনা খঞ্জে। লৌকিক (মপানগী) লীলাদা শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্য অসি শ্রীপাদ মাধবেন্দ্র পুরীগী শিষ্যনি, মরম অসিনা প্রভুগী খুড়া গুরু থোকই; অসিগুম্বা মরী থোরুবা অমা লৈবা অসিনা প্রভুনা মহাকপু গুরুগী মতৌগুম্না ব্যবহার মর্য্যাদা তৌই, অতুম ওইনমক অদ্বৈত আচার্য্যনা মাচু যাজনীংদে; মহাক্না

আচার্য্যগোসাঞিব তত্ত্ব না যায় কথণ।
কৃষ্ণ অবতারি যেঁহো তারিল ভুবন॥ ১২৭
নিত্যানন্দস্বরূপ পূর্ব্বে হইলা লক্ষ্মণ।
লঘু ভ্রাতা হৈয়া কবে রামেব সেবন॥ ১২৮

অর্থ :—

অদ্বৈত গোসাঞিগী তত্ত্ব লোইদে শিংথাতুনা।
জীববু লানবী শ্রীকৃষ্ণবু সাইওলহন্দুনা ॥১২৭
নিত্যানন্দদি মমাংঙৈদা লক্ষ্মণ ওইরম্মী।
শ্রীরামগী মনাও ওইতুনা সেবা তৌজরম্মী ॥ ১২৮

গৌর-কৃপা-টীকা

নীংঙী প্রভুদি স্বয়ং ভগবাম্নি, মহাক্কী গুরু হাঙ্গীবা অমা লৈব্রা, খুডা গুরু হাঙ্গীবা অমা লৈবা হৌনবরা? মহাক্তি পুন্নমক্কী গুরুনি, পুন্নমক অসি মহাক্কী মনাইনি।

১২৭। শ্রীঅদ্বৈত আচায্যনা জগৎতা লবিবা জীবশিংবু মু শিবা অমস্নুং মহাক্কী প্রেমদা স্বয়ং ভগবান শ্রীমন মহাপ্রভুনা মথাপোনবা পুন্নমব অসি নীংশিংলুবগা যান্না মুংঙাইতুনা শ্রীল কবিরাজ গোস্বামীনা হাঙ্গিরম্মী—শ্রীকৃষ্ণবু কলিগী মতমদা শ্রীচৈতন্য ওইনা সাইওলহন্দুনা জগৎপু লানবীরম্মিবা, অতুম ওইবা শ্রীঅদ্বৈত-আচায্যগী তত্ত্বগী রারী, মহাক্কী মগুণ অসি শিংথাবদা লোইবা নাইদে।

শ্রীকৃষ্ণবু সাইওলহন্দুনা—মাযানা কুপ্তুনা লবিবা জীবশিং অসিনা অরাবা অসি উরগা শ্রীঅদ্বৈতনা রারতুনা শ্রীকৃষ্ণ চরণ্ডা হাঙ্গিজরম্মী, শ্রীকৃষ্ণ মশামক অবতাব তৌতুনা জীববু লানবিনবগীদমক, হাঙ্গিজবা অতুদা থাওবা ওমদতুনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইনা সাইওল্লতুনা নবদ্বীপ্তা নাম-প্রেম পীবিতুনা জীববু মহয য়ানহল্লী। মতৌ অস্নুম তেৎতুনা শ্রীঅদ্বৈতনা গৌরলীলা ফোংদোকপগী অমস্নুং জীব লানবিনবগী মকোক্নি অতুগা লোঙ্গনবা ওইনস্নু মহাক্কা শ্রীমন মহাপ্রভুগী লীলা॥ তেংবাংঙি।

১২৮। শ্রীবলরামস্নু করিগুম্বা লীলাদা শ্রীকৃষ্ণগী মনাও অতোনবা ওই, অতুগা করিগুম্বা লীলাদা মযাম্বা ওইতুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌই। ত্রেতা যুগতা শ্রীকৃষ্ণগী অংশনা শ্রীরামচন্দ্র ওইনা অবতার তৌই, শ্রীবলদেবস্নু অংশ ওইনা শ্রীলক্ষ্মণ ওইতুনা শ্রীরামগী মনাও অতোনবা ওইনা সাইওল্লী। তৌইগুম্বস্নুং মনাও অতোনবা ওইবা অতুদা

রামের চরিত্র সব দুঃখের কারণ।
স্বতন্ত্র লীলার দুঃখ সহেন লক্ষ্মণ॥ ১২৯

অর্থ :—

শ্রীরামগী লীলাদি অৱাবা ভাক্তা ওইরম্মী।
নীংতম্বা লীলাগী অৱাবা, লক্ষ্মণনা খাণ্ডলম্মী॥ ১২৯

গৌর-কৃপা-টীকা

মযাম্বগী মর্য্যাদা কাঙ্গখিগনি হায়বগী কিবনা শ্রাবা থবক্তগী শ্রীরামবু কোকহনবা অমসুং মুংডাইবা থবক্তসু মযাম্বন তৌহন্নবগীদমক পাওতাকুচিংবা পীবা ওয়মদে, মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা শ্রীরামচন্দ্রগী অৱাবা যেংদুনা যাম্না অৱাবা খাণ্ডলম্মী, শ্রীলক্ষ্মণনা মনিংমথা তৌদুনা থবক তৌবা ওম্বগী শক্তি লৈতবনা শ্রীরামচন্দ্রগী অৱাবা কোকহনবগীদমক থবক তৌনীংলবসু যাথং ফংদদুনা মতম পুম্নমক্তা তৌবা ওমদে। মতুংগী দ্বাপর যুগতা শ্রীবলদেবনা শ্রীকৃষ্ণগী মযাম্বা ওইনা সাইংহগ। মনিংথংন সেবা তৌবওম্বগী খুদোংচাবা ফংখি, মযাম্বা ওইরবনিনা মনাশ্রীকৃষ্ণ অবাবা কোকহনবগী অমসুং মুংডাইনবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা তৌহন্নীংগ্রবা ফাওবদা মহাক্তা ওম্বা মথৈ হোৎনবা ঙংখি।

লীলাদ। কৃষ্ণবু ওইববসু, মনাইনবু ওইববসু লোঙ্গনবা পুম্নমক্তা শ্রীকৃষ্ণগী মুংডাইনবগীদমক নীঙী। থাঙ্গেংবমক মনাই—গুণচিংবা লোঙ্গনবা ভক্ত খুদিংমক্তা মানা মানা নীংজবগী মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌদুনা লৈ

নিত্যানন্দদি শ্রীবলরামদি, মহাক্তা গৌরলীলাদা শ্রীনিত্যানন্দ ওইদুনা সাইওন্নে, মহাক্তা মমাংঙৈদা —ত্রেতা যুগতা, শ্রীরামচন্দ্রনা অবতার তৌবা মতমদা।

১২৯। শ্রীরামগী লীলাদি - রামগী পুনসিগী লমচৎতি। অবাবা ভাক্তা ওইরম্মী—বন্দাচৎপা (বোন্দাচৎপা), সীতাবু তুখিবা, সীতাবু বোন্দা থাদোকপনচিংবা ওসি অৱাবা ভাক্তনি নীংতম্বা লীলা লক্ষ্মণগী মযাম্বং শ্রীরামচন্দ্রনা ওইবা মবন্না মন্নাম্বুগী করিগুম্বা থবক অমদা শীন্দোক-শীনজিন তৌবা ঙম্মদে, মরম অদুনা শ্রীরাম্না নীংবা অদুতা তৌরম্মী। মাদুদা শ্রীরামচন্দ্রনা ওমথৈ লৈতনা অৱাবা ফংলম্মী। শ্রীরামনা অৱাবা তাবা অদুদা লক্ষ্মণসু ওমথৈ লৈতনা অৱাবা ফংলম্মী, মাদুদা তাক্লুবা ওম্বগী শক্তি লৈতবনিনা তুমিন্না খাণ্ডদুনা লৈরম্মী।

নিষেধ করিতে নারে যাতে ছোট ভাই।
মৌন করি রহে লক্ষ্মণ মনে দুঃখ পাই॥ ১৩০

অর্থ :—

খামজবা ওমজদে মনাও ওইবা মরম্না।
তুমিন্না লৈজে লক্ষ্মণা পুক্লিংদা রাহুনা॥ ১৩০

গৌর-কৃপা-টীকা

১৩০। খামজবা অসিনচিংবা—লক্ষ্মণা শ্রীরামচন্দ্রগী মনাও ওইবা মবম্না মযাম্বুংনা অরাবা থবক্তা থোংদাবা উরবস্থ থৌগল্লোন (মর্য্যাদা) কাঙ্গখিগনি হাঙ্গবগী ক্বিবন। মহাক্না খামজবা ওমজদে। তুমিন্না অসিনচিংবা—মরম অহুনা পুক্লিংদা অবাবা অহু খাওহুবা তুমিন্না লৈজে।

রাম অবতারদা লক্ষ্মণা মপুক্লিংদা রামচন্দ্রগী মফমদা থৌগল্লোল (মর্য্যাদা) কাঙ্গনীংদে, অহুনা রামচন্দ্রনা অরাবা থবক তৌবা উরবা কাওবদা খামজিন্নবা হোংনদে। থৌগল্লোন কাঙ্গরগা অপরাধ (অরা-বা, পাপ) ওইগনি হাঙ্গনা খল্লিবা মখোঙ্গ অহু লক্ষ্মণা কোংদোক্লক-পনি (সাইওক্লকপনি)। মহাক মশানী মুংওাইব। অরাবা পুন্নমক থাদোক্লুনা সেবা তৌবদা ইবুংঙোগী পেন্নবা হোংনগনি হাঙ্গনা থবাই যুংবা ভক্ত অনিথক গৌর অবতারদা যাওখি, মখিংদি শ্রীগোবিন্দ অমস্থং শ্রীদামোদর পণ্ডিত কৌই। নোংমদি মহাপ্রভুগী মনাই শ্রীগোবিন্দ কৌবা অসিনা মবুংঙোগী সেবা তৌনীংবনা মপুক্লিংদা তপথনা লৈবা ওমদরে, কম্বিনা, করম তৌরগা প্রভুগী সেবা তৌসিগে হাঙ্গনা অস্থম খল্লকপদা অতে পাম্বৈনা সেবা তৌবদি য়াম্নরোই হাঙ্গহুনা শ্রীগৌরাঙ্গগী শ্রীচরণ অহু চিংথোক্লুনা নোইবা, নম্ব-নচিংবা তৌহুনা প্রভুগী মুংওাইনবগীদমক হোংনখি, অগাবা চোকথবা কোক্লনবগীদমক সেবা তৌখি, সেবাগীদমক্তা প্রভুগী ইঙ্গিৎ নত্তনা শ্রীচরণ চিংথোকপগী অপরাধ দোষ কংগদবগী রাখন অহুনা, সেবা অহুবু থিংবা ওমখিদরে। দামোদর পণ্ডিতস্থ প্রভুগী মনাইনি (ভক্তনি), য়াম্না কজরবী ব্রাহ্মণী মৌনহা অমগী মচা নীপা চহি কয়া যামত্রিবা অত্তাং অমা নিত্তিগী প্রভুগী নাক্তা লাকচে, প্রভুস্থ মাবু যাম্না চানবিনা তৌই, দামোদরনা থম্নী, মাসিদা প্রভুগী-মিংচং অথীবা অমা লাকপা য়াই, মতম অহুদা মহাক্না অকনবা রাহেনা প্রভুবু রায়হুনা অত্তাং অহুগী মফমদা কুংশিবা উৎকন্থ হাঙ্গনা খামখি, মতৌ অসিদা প্রভুদা রায়কউবগী অপরাধ (মরান, দোষ) কজদবগী অকিবা অহু দামোদর

কৃষ্ণাবতারে জ্যেষ্ঠ হৈল সেবার কারণে।
কৃষ্ণকে করাইল নানা সুখ আস্বাদনে ॥ ১৩১
রাম লক্ষ্মণ কৃষ্ণ রামের অংশ-বিশেষ।
অবতার কালে দোঁহে দোঁহাতে প্রবেশ ॥ ১৩২

অর্থ :-

কৃষ্ণাবতারদ, ময়াম্বুং ওইরে সেবাগীদমক।
কৃষ্ণবু নুংঙাইবা মহাও তংহন্নে কয়ামুক ॥ ১৩১
রাম লক্ষ্মণ কৃষ্ণ বলরামগী অংশনি।
অবতাব মতমদা অনিহু অনিদা তিনবনি ॥ ১৩২

গৌর-কৃপা-টীকা

পণ্ডিত্তা চংখিদে। "প্রভুগী সেবাগীদমক্তি হাংগতুনা করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা ঐঙোন্দা দোষ ওইগদবা পাপ পুগদবা লৈরবস্থ তৌগনি ; প্রভুগী সেবাগীদমক ঐবু নরক (অরাকম) চংপ তারবস্থ মাইথোং মকালান্না চংকনি।" অস্মুম হাঙ্গৈনা থন্দুনা ইশাগী ওইজগদৌবা রাখন পুন্নমক থাদোক্তুনা প্রভুগী নুংঙাইনবগীদমক থন্দুনা সেবা তৌবা অহু মনাই (সেবক) অমা ওইবগী মথৌনি হৌনবনি।

১৩১। কৃষ্ণাবতারদা- দ্বাপর যুগতা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌবা মতমদা শ্রীবলদেবনা ময়াম্বুং ওইনা অবতার তৌহুনা মহাক্না নীংবা মতুংইন্না সেবা তৌহুনা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা তৌখি।

৩২। রামচন্দ্র অসি শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি, অহুগা লক্ষ্মণা শ্রীবলরামগী অংশনি। স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌবা মতমদা অংশ ওইবা রাম্না মাগী অংশী (থোরকফম) শ্রীকৃষ্ণদা অমস্যুং অংশ লক্ষ্মণা মাগী অংশী বলরামগী মশাদা তিন্নে। মরমদি মপুং ফারবা ভগবান্না অবতাব তৌবা মতমদা মহাক্কী অংশ পুন্নমক্না লাকুনা তিন্নবা হাঙ্গৈবা অসি হৌনবনি, নিয়ম্নি।

অবতার মতমদা—মপুং ফারবা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌবা মতমদা; অনিহু— রাম লক্ষ্মন অহু। অনিদা—কৃষ্ণ অমস্যুং বলরামদা।

সেই অংশ লঞা জ্যেষ্ঠ-কনিষ্ঠাভিমান।
অংশাংশিরূপে শাস্ত্রে করয়ে ব্যাখ্যান॥ ১৩৩

তথাহি ব্রহ্মসংহিতায়াম (৫।৩৯)

রামাদি মূর্তিষু কলানিয়মেন তিষ্ঠন নানাবতারমকরোদ্ভুবনেষু কিন্তু।
কৃষ্ণঃ স্বয়ং সমভবৎ পরমঃ পুমান যো গোবিন্দমাদি পুরুষং তমহং ভজামি ॥ ২১ ॥

অর্থ :—

অংশ অদুন নীংথৌ ময়াম্বনি-মনাওনি।
অংশাংশি ওইনা শাস্ত্রদা শিংথাবিবনি ॥ ১৩৩

গৌর-কৃপা-টীকা

১৩৩ অংশ অদুন—শ্রীকৃষ্ণগী অংশ ওইবা বারেন্দ্র সমস্তুং শ্রীবলরামগী (শ্রীবলদেব) অংশ ওইবা লক্ষ্মণা। এরুদা, দ্বাপর যুগতা অংশী ওইন মথোঙ্গ অনিনা অবতার তৌবা নতমদ। শ্রীকৃষ্ণনা বলদেবগা মনাওনি হাঙ্গন। নীংথৌ অমস্তুং বলদেবস্তু মহাক্ন শ্রীকৃষ্ণগী ময়াম্বুংনি হাঙ্গনা নীংথৌ। অংশাংশ ওইনানাচংব শ্রীরামচন্দ্র অসি শ্রীকৃষ্ণগী অংশ ওইবা মরম্মা শ্রীকৃষ্ণ অসি শ্রীরামচন্দ্রগী অংশা ওইরে মসি শাস্ত্রদ লৈরবা বানি। মসিগী প্রমাণ ওইনা মথাদা ব্রহ্মসংহিতাগী শ্লোক অমতং থেচ্চবি

শ্লো। ২১। অন্বয়। যঃ (অদুম ওইবা) পরম পুমান (অথোইবা নীপা) কৃষ্ণঃ (শ্রীকৃষ্ণ) কলানিয়মেন (শক্তি পুম্নমকী নিয়মা) রামাদি মূর্তিষু (রামচিংব মূর্তিদা) তিষ্ঠন (ওইদুনা, কোংদোক্লুনা) নানাবতারং (মখল-মখা অমাম্বা অবতার) অকরোৎ (তৌখি) কিন্তু (তৌই অমস্তুং) [যঃ] (মহাক্ন) স্বয়ং (মশানা) অপি (স্থ) সমভবৎ (অবতার তৌখি) তং (অদুম ওইবা) আদি পুরুষং (অহানবা নীপা) গোবিন্দং (গোবিন্দবু) অহং (ঐনা) ভজামি (সেবা তৌজবি, খুকমজরি)।

অনুবাদ। অথোইবা নীপা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি পুম্নমকী নিয়মা রামচিংবা মূর্তি কোংদোক্লুনা মখল-মখা অমাম্বা অবতার তৌখি অমস্তুং মহাক মশামক্তু অবতার তৌখি, অদুম ওইবা অহানবা নীপা শ্রীগোবিন্দবু ঐনা খুকমজরি। ২১

শ্লোক অসি ব্রহ্মানা হাঙ্গবনি। কলা—শক্তি। নিয়ম—আইন কৌনবী অমা শেমদুনা। কলানিয়মেন-নচিংবা—শক্তি কোংদোকপগী অথোই-অহেন মতুংইন্না পরম ব্রহ্ম (ব্রহ্ম অথোইবা) শ্রীকৃষ্ণনা মশিং-থীবা ময়দবা ভগবংকী মশক ওইনা সাইওন্দুনা লৈশেমল্লিবৌদগী

শ্রীচৈতন্য সেই কৃষ্ণ, নিত্যানন্দ রাম।
নিত্যানন্দ পূর্ণ করে চৈতন্যের কাম ॥ ১৩৪
নিত্যানন্দ মহিমা সিন্ধু অনন্ত অপার।
এক কণ স্পর্শি—মাত্র সে কৃপা তাঁহার ॥ ১৩৫

অর্থ :—

চৈতন্য'সি কৃষ্ণ'হুনি নিত্যানন্দনা রামনি।
নিত্যানন্দনা চৈতন্য ন'ংবা থুংহনবনি ॥ ১৩৪
নিত্যানন্দগী মগুণ মপান তাইদে সিন্ধুনি।
মাগী কৃপানা মবিন অমতং হাঙ্গিজবনি ॥ ১৩৫

গৌর-কৃপা টীকা

লৈরক্লবনি, শোক্ত য়াওবিবা রামাদি মূর্ত্তি-গ্রাহৈনা মশিংথৌবা ওদবা য়াম্না যামগ্রবা ভগবৎকী মশকপ খঙনৈ। মথন-মথনা মশক পূম্নমক অসিগী শক্তি অসি খেন্নবা নাই ফোংদোকই; স্বয় ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা মশাগী শক্তি শিজিন্নদুনা অতোপ-অতোপ্পা মওং ওইনা ফোংদোকই; মাসি মহাক্কী শক্তিগী নিয়মান অমদি কলানিয়ম্নি। কলানিয়ম অসিগী ফোলনা অতোপ-অতোপ্পা ভগবংকী মশক ওইদুনা ফোংদোকই। অদুগা মতৌ শস্পুম তৌদুনা হে নবী গ্রাইন অমগী মতুংইন্না দংকাব লাক্লবাদ রামনচিংবা ভগবংকী মশকপু মহাক্ক অচম্বা ব্রহ্মাণ্ডদা (পৃথিবীদা) অবতার তৌহল্লী অমস্বং মশানস্তু কর্রি করিগুম্বা মতমদা অবতার তৌই মশানা অবতার তৌবা মতমদা শক্তি পূম্নমক মপুং ফানা থাইদগী হেন্না ফোংদোকই, রামচিংবদি শক্তি মপুং ফাদে, মাসিনা গ্রোক্তা যাওরিবা স্বয়ং শব্দ অমস্বং কলা রাহৈনা খঙনবনি। রামনচিংবদা শক্তি শরুক খরদংবা ফোংদোকই হাঙ্গিদুনা রামনচিংবা অসি শ্রীকৃষ্ণগী অংশনি, মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণ অসি রামচিংবগী অংশীনি। নিয়ম অসিগী মতুংইন্না (লক্ষ্মণ অসি বলরামগী অংশনি হাঙ্গিবদু শেংনা ফোংদোক্লবস্তু) মাসিস্তু খঙনরি, লক্ষ্মণ বলরামগী অংশনি।

১৩৪। ব্রজদ শ্রীকৃষ্ণনা নীংঙী, মহাক অসি বলরামগী মনাওনি অমস্বং বলরামনা নীংঙী, মহাক অসি কৃষ্ণগী ময়াম্বুংনি: অদুম ওইবা শ্রীকৃষ্ণ অদুনা নবদ্বীপ্তা শ্রীচৈতন্য ওইরক্নে অমস্বং বলরামনা নবদ্বীপ্তা শ্রীনিত্যানন্দ ওইরক্নে; মরম অদুনা ব্রজলীলাগী মরীগী মতুংইন্না শ্রীনিত্যানন্দনা শ্রীচৈতন্যগী ময়াম্বুং ওইবগা অসিদা গুরু শরেংগী মরুংদা চল্লবে। নীংবা—অপাম্বা।

১৩৫। শ্রীনিত্যানন্দগী তত্ত্ব শিংথাবা লোঙ্গইসিনজরি। শ্রীনিত্যানন্দগী মগুণ্ডি মহা সমুদ্রগা মতৌগুম্না মপান-নাইদে অমস্তু খঙবা ঙমদে; সমুদ্রবু কনাগুম্বা অমতনা রাংমা

আর এক শুন তাঁর কৃপার মহিমা।
অধম জীবেরে চঢাইল ঊর্দ্ধ সীমা। ১৩৬
বেদ গুহ্য কথা এই অযোগ্য কহিতে।
তথাপি কহিয়ে তাঁর কৃপা প্রকাশিতে॥ ১৩৭

অর্থ :—

মাগী কৃষ্ণপাগী মগুণ অমগা ফোংদোকচরি।
অত্তোনবা জীববু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গংপিরি॥ ১৩৬
বেদগী অথুপ্পা ৱানি হাঙ্গদোকহৈদবনি।
অদুবু হাঙ্গজরি মাগী কৃপা ফোংদোকপনি॥ ৩৭

গৌর কৃপা টীকা

লানবা ওমদবগুম্মা, মহাক্কী মগুণস্থ কনাগুম্বা অমতনা লোইনবা শি থাবা ওমদে, ইবুংঙো মহাক্কা কৃপাদনা থজিক্তংদা শিংথাজরি। মাসি শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজনা হায়ব ৱাহৈনি।

সিন্ধু—সমুদ্র। মখিক অমত সমুদ্রগুম্মা চাউখরবা মগুণ অদুগী শরুক থজিক্তং। মাগী কৃপানা—নিত্যানন্দগী কৃপানা।

১৩৬। লাইবিক লেংলিবা কবিরাজ-গোস্বামীনা শ্রীমননিত্যানন্দগী মরমদা অঙকপা কৃপাগী মশক ওইবা ৱা অমা হায়বা হৌরক্নি। মাগী কৃপাগী—শ্রীনিত্যানন্দগী কৃপাগী। অত্তোনবা জীববু যাম্না মতিক চাত্রবা অত্তোনবা জীববু কবিরাজ-গোস্বামীনা মশাবু অত্তোনবনি হায়না নীংথনা হায়জবা। অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গংপিরি থাংবদা মতোল লোম্লবা। শ্রীবৃন্দাবনদা থাবা অমস্থুং শ্রীমদনগোপালগী সেবা ফংবনচিংবা মফম অসিদা অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গংপা হায়বা অদুনি হায়না নীংজ

১৩৭। বেদগী অথুপ্পা—হায়নবা লৈ, কবিগুম্বা লাইগী নত্রগা ভগবানগা য়াথং নত্রগা কৃপাগী ৱা অসি কনাগুম্বা মী অমগী মফমদা হায়দোক্লবদি মাদু মহয় য়ানবা ৱাৎলী, মাদু লোম্না (তুমিন্না) থম্মগদবনি। অসিগুম্বা অৱোনবা ৱা অসিবু 'বেদগী অথুপ্পা' ৱা কৌই। বেদ অমস্থুং শাস্ত্রদা অথুপ্পনি হায়রম্বা ৱা অদু বেদগী অথুপ্পা কৌই। কবি কবিগুম্বা লাইরিক্তা 'দেবগী অথুপ্পা' হায়না ইরম্বম্ম য়াওই। হায়দোকহৈদবনি—হায়দোকপা হৌনদবনি।

উল্লাসের বশে লিখি তোমার প্রসাদ।
নিত্যানন্দ প্রভু! মোর ক্ষম অপরাধ॥ ১৩৮
অবধূতগোসাঞির এক ভৃত্য প্রেমধাম।
মীনকেতন রামদাস—হয় তার নাম॥ ১৩৯
আমার আলয়ে অহোরাত্র সঙ্কীর্ত্তন।
তাহাতে আইল তেঁহো পাঞা নিমন্ত্রণ॥ ১৪০
মহা প্রেমময় তেঁহো বসিলা অঙ্গনে।
সকল বৈষ্ণব তাঁর বন্দিল চরণে॥ ১৪১
নমস্কার করিতে কারো উপরেতে চড়ে।
প্রেমে কারে বংশী মারে কাহারে চাপড়ে॥ ১৪২

অর্থ :

নংগী কৃপা গজরি নুংঙাইবগ লোঙ্গননা।
নিত্যানন্দ প্রভু। ঐর ডাকপিগু চানবিহ্নবা॥ ১৩৮
প্রেম লৈবা মনাই অমা লৈ অবধূত গোসাঞিগী।
মমিং মীনকেতন রামদাস কৌই মাগী। ১৩৯
ঐগী যুমদা আহিং-নুংথিল সঙ্কীর্ত্তন তৌগ।
মাহ্নদা মহাক্ত নিমন্ত্রন কংহ্ননা লাকই॥ ১৪০
মহা প্রেমগী মশক্তি মহাক মাঙ্গোন্দা ফম্মী।
বৈষ্ণব পুম্নমক মহাক্কী চরণ্ডা খুরুম্মী। ১৪১
খুরুম্বদা কনাগী মথক্তা চোংখৎলকই।
প্রেম্না কনাগুম্বদা বংশীনা খুবাক্না থাই। ১৪২

গৌর কৃপা-টীকা

১৩৮। নুংঙাইবগা লোঙ্গননা—লাইবক ফত্তুনা কৃপা ফংবগী নুংঙাইবা। ডাকপিগু—হাঙ্গদোকহৈদবা রা হাঙ্গদোক্লুবগী দোষ মরান ডাকপিয়ু।

১৩৯। হৌজিক কৃপাগী রা অহু হাঙ্গজরক্লি। অবধূতগোসাঞিগা—শ্রীনিত্যানন্দ প্রভুগী। মনাই—সেবক। প্রেম লৈবা—শ্রীরাধাগোবিন্দগী নাম, রারী তাবদা অমস্তুং নীংশিংবদা থমোই শোঁদোরক্তুনা তুচুংবা, মিৎতা পি তারকপা অহু প্রেম লেবগা খুদম্নি।

১৪০। ঐগী যুমদা—লাইরিক লেংবিরিবা কবিরাজ-গোস্বামীগী যুমদা অহিং নুংথিল সঙ্কীর্ত্তন—অহিং নুংথিল চুপ্পা মতম নিপান (অহোরাত্র) নামসঙ্কীর্ত্তন তৌই। মীনকেতন-রামদাসস্থ নিমন্ত্রন (বার্ত্তন) তৌকহ্ননা সঙ্কীর্ত্তন অসিদা লাক্লম্মী।

১৪১—১৪২। শ্রীমীনকেতন রামদাসনা মাঙ্গোন্দা ফম্মী; মাগী মখুত্তা বংশী অমা পাঙ্গরম্মী। মফম অহুদা লাক্লিবা বৈষ্ণব পুম্নমক অহুনা মহাকপু মহাভগবত (কৃষ্ণদা

যে নেত্রে দেখিতে অশ্রু মনে হয় যার।
সেই নেত্রে অবিচ্ছিন্ন বহে অশ্রুধার॥ ১৪৩
কভু কোন অঙ্গে দেখি পুলক-কদম্ব।
এক অঙ্গে জাড্য তার আর অঙ্গে কম্প॥ ১৪৪

অর্থ :—

কনাগুম্বনা পি তাবা য়েংনীংবড় মানা।
পিদা শিন্থত্তুনা লৈ, মিৎ অত্তুদা ওত্তুনা॥ ১৪৩
করিগুম্বদা মশাদা মতু-চুংলকই।
অত্তুগা চপ-পেপ্পা থক্-থক্ নিক্প তৌরকই॥ ১৪৪

গৌর-কৃপা-টীকা

ভক্তি য়াম্না লৈবা মী) গী য়াখন্দা খুকন্মী। তৌইগুম্বসুং মহাক্তি কৃষ্ণ প্রেমদা লুপ-খিত্তুনা মপানগী জ্ঞান লৈখিদরে; ব্রজভাবতা লুপখিত্তুনা কনাগুম্বা অমদা খুবাক্পা থারে, কনাগুম্বা অমদনা বংশী অত্তুনা ফুরে; অত্তুগা কনাগুম্বা অমনা মাবু থুরুমজগে হাঙ্গইত্তুনা লু-লুকথবদা মাগী মনঙ্গন্দা চোংখত্তুনা তোংলে। মহাক্তি শ্রীকৃষ্ণবু মরুপ্নি হাঙ্গৈনা নীংজে; ভাব অত্তুদা মুনখিত্তুনা ব্রজগী যশ্লেনবুং অত্তুদা মশামক লৈ হাঙ্গৈনা খল্লুত্তুনা মনাক্তা লৈবা বৈষ্ণব পুন্নমক্তা মতৌ অসুম তৌরিবনি। মহাক্পা ফুবা অত্তুবু বৈষ্ণবশিং অত্তুদা কৃপা তৌবিরিবনি হাঙ্গৈনা খল্লে।

১৪৩। মীনকেতন-রামদাসকী মমিংদা পি তাবা অত্তু, সমাজ অত্তুদা তিল্লিবা বৈষ্ণবশিং অত্তুনা য়েঙ্ডু-য়েঙ্ডুবা পুদিংদা পি চেন্থরকপগী পোথাদা লৈতে। হাঙ্গইবদি মাগী মমিং অনি অত্তুদা অতংপা লৈতনা পি শিন্থত্তুনা লৈ। পি মিংতগী শিন্থরকপা ঈশিং। তত্তুনা—অরেপ্পা পোথাবা লৈতনা।

১৪৪। মতু-চুংলকই—হকচাংগী তু-পুন্নমক চপ-চপ য়ুংলকই পি তাবা-থক্-থক্ নিকপা-তুচুংবনচিংবা অসি কৃষ্ণ প্রেমগী সাত্ত্বিক বিকারনি।

'নিত্যানন্দ' বলি যবে করেন হুঙ্কার।
তাহা দেখি লোকের হয় মহা চমৎকার ॥ ১৪৫
গুণার্ণবমিশ্র নামে এক বিপ্র আর্য্য।
শ্রীমূর্ত্তি নিকটে তেঁহো করে সেবা কার্য্য ॥ ১৪৬
অঙ্গনে আসিয়া তেঁহো না কৈল সম্ভাষ।
তাহা দেখি ক্রুদ্ধ হঞা বোলে রামদাস ১৪৭

অর্থ :—

'নিত্যানন্দ' হাঙ্গইদুনা কন্না লাউথোরকই
মাদু উরগা মী ময়াম অদু পুমণক্-ণকই ॥ ১৪৫
গুণার্ণবমিশ্র কৌবা ব্রাহ্মণ অমথক্তি।
শ্রীমূর্ত্তি সব তৌদুনা লৈরম্মী মহাক্কি ॥ ১৪৬
মাঙ্গোন্দা ফম্নরবদা মহাক্না কৌদরে।
মাবু উবদা রামদাসনা যাম্না শাউনা হাঙ্গইরে ॥ ১৪৭

গৌর কৃপা টীকা

১৪৫ ১৪৬। লাউথোরকই হুঙ্কার তৌরকই। ব্রাহ্মণ—বিপ্র। শ্রীমূর্ত্তি—কবিরাজ গোস্বামীগী বুমদা লেবা শ্রীবিগ্রহ। হাঙ্গনরা ল, কবিরাজ গোস্বামীগী মগুমদা শ্রীশ্রীমদন-গোপালগী সেবা তৌই।

১৪৭। গুণার্ণবমিশ্রনা থৱাই হকচাং থাওনা শ্রীমূর্ত্তিগী সেবা তৌরম্মী, মীনকেতন-রামদাসনা মাঙ্গোন্দা ফম্নরবদা ময়াম পুম্নমক্না নাবু পুকম্মী, গুণার্ণবমিশ্রনা সেবাদা থৱাই যাওখিবনা মাদোমদ (খুকম্মদ) ভাব তৌকদারে, মরম অদুনা মহাক্না মপান থোরকুনা মীনকেতননু কৌহৌদ্রে। হাঙ্গইবদি সেগা অদু লেপ্তুনা মীনকেতনগা কৌনবা ঙাবী শাবা হৌনরে হাঙ্গনা নীংদুনা কৌহৌদ্রে। মীনকেতন-রামদাসন মাদুদা শাউরে। শাউরিবসি মাড়োন্দা থুকমদে হাঙ্গদুনা শাউবা নত্তে, মতম অদুদা মহাক্না শ্রীবলরামগা লোঙ্গনরি হাঙ্গনা রাখন অমদা চংলি, রাখন অদুদা মহাক্না পুরি, ময়াম অদুগী মনাক্তা শ্রীবলদেবম্ন থুংলরে, মহাকনু বলদেবগা লোঙ্গনা লৈ, ময়াম অদুনা থুকম্নিবা অত্ত শ্রীবলদেবদা থুকম্নিবনি হাঙ্গনা মীনকেতনন নিংঙী; গুণার্ণবমিশ্রনা চংলকুনা থুকম্নিনবা অদুদা শ্রীবলদেববু থৌশাদদুনা থুকম্নিবনি হাঙ্গনা নীংলে; ভাব অসিদা মীনকেতনন শাউবনি।

এত ত দ্বিতীয় সূত শ্রীরোমহর্ষণ।
বলদেবে দেখি যে না কৈল প্রত্যুদ্গম॥ ১৪৮
এতবলি নাচে গায় করয়ে সন্তোষ।
কৃষ্ণ কার্য্য করে বিপ্র না করিল রোষ॥ ১৪৯

অর্থঃ—

মাসি অনিশুবা সূত শ্রীরোমহর্ষণি।
বলরামবু উজরগা থুকমখিদ্রবনি॥ ১৪৮
অসি হাঙ্গইদুনা ঈশৈ শকই জগোই শাই হরাওনা।
কৃষ্ণ সেবা তৌদুনা লৈবনা শাউদে ব্রাহ্মণা॥ ১৪৯

গৌর-কৃপা-টীকা

১৪৮। শ্রীমদ ভাগবতকী অধ্যায় ১০/৭৮ দা হাঙ্গইরি, শ্রীবলদেবনা তীর্থ কোঙ্গকখিগে হাঙ্গসিন্নরগা নৈমিষারণ্যদা (বন অমগী মমিংনি) থুংলবে, মতম অদুদা চহি তরানিথোইগী যজ্ঞ অমা ঋষিশিংনা লিংখৎলম্মী, মখোইনা রোমহর্ষণ-সূতবু পুরাণ পাননবগীদমক ব্রহ্ম আসনদা (লাইথুক্লম ফম্ফম) ফমহল্লে. বলদেব উরগা ঋষি পুম্নমক অদুদি ইকাই খুম্নবগা লোঙ্গননা খুকম্মী, তৌইগুম্বসুং রোমহর্ষণ-সূতনা বলদেববু উরবসু ব্রহ্ম আসনদা ফম্লি হাঙ্গইদুনা হৌগৎতুনা লেপ্লে, খুকম্বসু তৌদরে।

গুণার্ণবমিশ্রনা কম্নিমতসু কৌদবা অদুদা মীনকেতন—রামদাসনা মপুক্লিংদা রোমহর্ষণ সূতগী রা নীশিংলক্লে, মরম অদুনা মহাক্না হাঙ্গইরকই—"নৈমিষারণ্যদা শ্রীবলদেববু উরগা রোমহর্ষণ সূত কৌবা অদুনা খুকমখিদে, অদুগুমদুনা ওসি উবা ফংলে, গুণার্ণবসু শ্রীবলদেববু কৌদুনা ইকাই খুম্নবা উৎত্রে।" নোক্লবগী ভাবতা হাঙ্গইরকই, "গুণার্ণব অসি অনিশুবা রোমহর্ষণি, নত্রবদি শ্রীবলদেববু খুকমলোঙ্গদবগী মরম লতে।"

সূত—শারথি, ক্ষত্রিয়নীপানা ব্রাহ্মণী পাম্নদুনা পোকপা মচা অদু সূতগা মপোক্লি। সূত জাতিগী মীশিংনা সারথিগী থবক তৌই। পুরাণ পাবা শ্রীরোমহর্ষণ অদুগী জাতি অদু সূতগী জাৎনি। মহাক শ্রীব্যাসদেবগী শিষ্যনি।

১৪৯। গুণার্ণবগী মরমদা মীনকেতন রামদাসনা মুংঙাইবগা লোঙ্গননা জগোইশাবা ঈশৈ শকপা তৌবা অদু রোমহর্ষণগী মতো মাল্লী হাঙ্গইদুনা নোক্লবসু গুণার্ণবনা শাউদে। মহাক্তি শ্রীবিগ্রহগী সেবাদা পুক্লিংচংদুনা লৈরম্মী। ব্রাহ্মণা—গুণার্ণবনা।

উৎসবান্তে গেলা তিঁহো করিয়া প্রসাদ।
মোর ভ্রাতা সনে তার কিছু হৈল বাদ॥ ১৫০
চৈতন্য গোসাঞিতে তাঁর সুদৃঢ় বিশ্বাস।
নিত্যানন্দ প্রতি তাঁর বিশ্বাস আভাস॥ ১৫১
ইহা শুনি রামদাসের দুঃখ হৈল মনে।
তবে ত ভ্রাতারে আমি করিল ভৎর্সনে॥ ১৫২
দুই ভাই এক তনু সমান প্রকাশ।
নিত্যানন্দ না মানে, তোমার হবে সর্ব্বনাশ॥ ১৫৩

অর্থ :—

উৎসব লোইবগা প্রসাদি ফংলগা লেঙখরে
ঐগী ইনাওগা মাগা রা খরা য়েৎনখরে॥ ১৫০
চতন্যগোসাঞিবু য়াম্না থাজে ইনাওনা।
নিতানন্দবুদি য়াম্না থাজদে মহাক্ন॥ ১৫১
রাঁদু তাবদা রামদাসনা মপুক্নিংদা রাখি।
মাতুদা ইনাওদা ঐনা য়াম্না চৈ-থাংখি॥ ১৫২
মচিন-মনাও অমতনি ফোংদোকমিন্নবনি।
নিত্যানন্দ থাজদ্রবদি পূমাও-মাঙনি। ১৫৩

গৌর-কৃপা-টীকা

১৫০। কীর্ত্তন (উৎসব) লোইবগা মীনকেতন-রামদাসনা কবিরাজ গোস্বামীদা কৃপা পীবিরম্লগা লেঙখরে। উৎসবকী মতমদা কবিরাজ গোস্বামীগী মনাওগা রামদাসকা রা খরা য়েৎনখি। উৎসব পাউম্নগা—অহোরাত্র-সঙ্কীর্ত্তনগী মমৈদা। রা মরৈ ওইবা রা উৎসব (উৎসোব)।

১৫১। রা খরা মরৈ য়েৎনখিবগী মরম হাঙ্গজার। কবিরাজ গোস্বামীগী মনাওনা শ্রীগৌরাঙ্গবু স্বয়ংভগবান মক্নি হাঙ্গনা নীংঙী; তৌইগুমম্ন শ্রীনিত্যানন্দবুদি মহাক্না মপুক্নিংদা পাজদে. মপান্দা মচিন্দদি থাজবা পাম্নিম্ন। মরম অতুদগী মীনকেতন-রামদাসকা মহাকা মরৈ খরা য়েৎনখি।

১৫৩। কবিরাজ গোস্বামীনা মহাকী মনাওদা চৈ-থাংখিবগী রা খরা অদু পয়ার অমুমদা ফোঙদোকচরি। "শ্রীনিত্যানন্দ অসি শ্রীগৌরাঙ্গগী বিলাসরুপি হাঙ্গবদি শক্রোন পুথোকপনি; মরু অসিনা মখোঙ্গ অনিমক হকচাং অদু থেম্নদবনি, অনিমক ভগবৎকী মশক্তি, অনিমক

একেতে বিশ্বাস, অন্যে না কর সম্মান।
অর্দ্ধকুক্কুটী-ন্যায় তোমার প্রমাণ॥ ১৫৪

অর্থ :

অমবুদি থাজবগা অমনা থাজদবা।
যেন তংখাই পাংগী মংগী মাল্লী নংনা তৌবা ১৫৪

গৌর-কৃপা-টীকা

শক্তি মাল্লবগুম্বনি ; শ্রীনিত্যানন্দগা শ্রীগৌরাঙ্গগা কবিস্থ থেল্লদ। ফিবম অসিদা ভাই, নং নিত্যানন্দবু থাজত্রবদি নগী যায়া অমাচ। ওইগনি, মরমদি বাভাংহৃদ শ্রীনিত্যানন্দগী চরণ নংনা যাম্না লৌজবা লানব। হাঙ্গীব অহ্ন ওইনবনি মচিন-মনাও—শ্রীচৈতন্য অমসুং শ্রীনিত্যানন্দ। অমতনি—হকচাং অমত ন কা দোকমিন্নবনি অনিমক শক্তি মাল্লনা ফো দোকমিন্নবনি।

১৫৯। যেন তংখাই পাম্বা মাগী—কনাগুম্ব নীপ অমনা যেনবা অম লাইখম্মী, মাহুনা মকম থাল্লা কোকই অমসু মকম অহুনা নীপা অহুগী হিংননগী মবমদ উপায ওই, নোংমদি নীপ অহুনা বাখন তৌব হাবকই "যেনবা অনিনা মাপা তুংলামদগী মকম যাম্না ঐগোন্দা পীবি। মচিনলামদদি নক, কোক্কে, কবিপ্ত ক গ্লবা লেপ্তে, যেঞ্জা নাপা থাবদা মাঙননবা তৌই। মবন অহুন মমাংথংব শকক অসি চাংথাক্কগে অহু ওইববদি ঐগী পুকস্ন থলহৌবগনি, অমাংবস্ন ওইরাম্নাই। মবমদি, মতুংগী শক্তি লৈহ্না গদৌরিবনিনা মাহুনা মকমদি অংম কোপ্নদৌবিবনি।' মতো অস্ম্ন শন্দুন নীপ অহুনা যেনবী অহু মবাইদ ককৃথংতুন মমাং থংব শকক অহু চাথোক্ক, যেনবী অহু লৈরে, মাংডান্দগী অমুক যকম ফংদবে থদম অসিদগী পণ্ডিতশিংন যেন তংখাই পাম্বগী মতৌ-গুম্বা হাঙ্গীবা মিংথোন অমা শিংজন্নথ ব। তিংবা ন্ননবী অমগী মশ অহুম লৈরবদি কবিগুম্বা থবক অমা কাম্নবা যাই মাপ নশাগী তখাই অমা ককৃথংলবদি শিরগনি অমসুং অশিবা অহুনা কবিস্থ কাম্নববোই, অহুগুমহুনা কবিগুম্বা প্রমাণ অমগী মপূম কাবা শকক অহু লৌসিনবা নহুনা মচেং মকাইনদি অবেপ্পা সিদ্ধান্ত অমা ওইবা যাদে। শকক অমা খাইদোক্লগা অতোপ্পা শকক অমা লোকববদি মাহুবু যেন তংখাই পাম্বগী মতৌ কৌই, মাহুনা অরেপ্পা প্রচুম্বা ওইবা যাদ

শ্রীচৈতন্যগা নিত্যানন্দগা ইবুংঙো অনি হকচাং অমতনি, খেল্লদবনি হাঙ্গীহুনা অনিনা তিন্নরগা হকচাং মপূম অমা ওই, অহুনা শ্রীনিত্যানন্দনা হকচাং মপূম অহুগী তংখাই ওইথরে, মরম অহুনা শ্রীনিত্যানন্দবু থাজত্রবদি হকচাং মপূন অমগী তংখাইবু থাজদবা তারে (খাঙ্গদোকপা তারে), মবম অহুনা মাহুবু যেন-তংখাই পাম্বগী

কিংবা দুই না মানিয়া হওত পাষণ্ড ।
একে মানি আরে না মানি এই মত ভণ্ড ॥ ১৫৫

অর্থ :—

অহুগা অনিমক থাজদ্রগা পাষণ্ড ওইরে ।
তোপ্পা অমতা থাজরগা ভণ্ড ওইরে ॥ ১৫৫

গৌর-কৃপা-টীকা

মতৌ মাপ্লে অথ মচদি অসিনি, শ্রীনিত্যানন্দদা শ্রীচৈতন্যগী শক্তি শাংকাইরি; শ্রীনিত্যানন্দবু থাজদ্রবদি শ কাই বব শক্তি অহুবুস্ত পাজদবা তারে, হাঙ্গবদি মপূং ফাবা ভগবানগী অংশ (সাইওন) অমবু থাজদবা তারে মাহুদা মপূং ফাববা শ্রীচৈতন্যগী অমাওবা ওই, মপূং ফাবা ভগবান শ্রীচৈতন্যগী মপূং ফাবা অহু ভাক্তবা তারে। কনাগুম্বা ইকাইখুম্নববা নীপা অমগী মখোঙ অমদা চৈনা স্নেবগা অতোপ্পা মখোঙ নাম্বা অহুদনা পুকন্নবস্তু নীপা মহুদা ইকাইখুম্নবা উৎপা কৌদে, অহুগুমহুনা শ্রীনিত্যানন্দবু থাজরবস্তু শ্রীচৈতন্যবু থাজবনা শ্রীচৈতন্য ইবুংঙোগী মকমদা ইকাইখুম্নবা উৎপা কৌদে।

১৫৫। অহুগ অনিমক অসিনচিংবা শ্রীনিত্যানন্দবু থাজদ্রবদা শ্রীচৈতন্যবুস্তু থাজদবা কৌবে, মরম অহুনা নংনা অনিমকপু থৌওইদ্রে, নংনদি শ্রীচৈতন্যবু থাজে হাঙ্গরি, মাহু থাঙ্গেশেংনা থাজবা কৌদবনা নংগী ভণ্ডামি- (পুকচেন-শেংদবা) উৎথোবকপনি। ভণ্ডাসি হাঙ্গবা অসি যাম্না তুক্কচন্নবগী মশক্নি; ভণ্ডদগী (পুকচেন-শেংদবদগী) পাষণ্ডনা (পাপীনা) ফৈ, করমদি পাষণ্ডবু (পাপীব) মীন খঙলা ভম্মী, খঙবা ভঙ্গা অহুনা চেকশিনহৌবা ভম্মী, তৌইগুম্লস্নুং ভণ্ডদি (পুকচেন-শেংদবা মীদি) কনাগুম্বা অমতনা ইলাঙ্গ-লাঙ্গনা খঙবা ভমদে, মবন্ন অহুনা পুচেন-শেংদবা মীনা, মীবু নমথাক তৌরক্কনি হাঙ্গনা নীংবা অসি মী অয়াম্বনা নীংবা ভাক্কনি। মরম অসিনা হাঙ্গরিবা অসিনি ইনাও (ভাই), নিত্যানন্দবু থাজবা ভমদ্রবদি, শ্রীচৈতন্যবু থাজে হাঙ্গতুনস্তু শক ফোংদোক-লুগনু; অনিগী মরক্তা অমবু থাজদ্রবদি মীনা নংবু পাষণ্ড (পাপী) নি হাঙ্গনা ভাংন-খিগনি, মীনস্তু নংবু তিন্ননীংঙোই।

পাষণ্ড -.ভগবংকী যেক্লবা, ভগবানবু থাজদবা মথক্কী পযার অহুম অসি কবিরাজনা মাগী মনাংদা হাঙ্গবনি।

ক্রুদ্ধ হঞা বংশী ভাঙ্গি চলে রামদাস।
তৎকালে আমার ভ্রাতার হৈল সর্ব্বনাশ॥ ১৫৬
এই ত কহিল তাঁর সেবক প্রভাব।
আর এক কহি তাঁর দয়ার স্বভাব॥ ১৫৭

অর্থ :—

রামদাসনা শাওদুনা বংশী থুগাইরগা লেঙখ্রে।
মাতুদা ঐগী ইনাওগী য়াম্না মাঙবা ওইরে॥ ১৫৬
হাঙ্গজরে নিত্যানন্দগী সেবক্কী পুকচেন।
অমুক হাঙ্গজরি মহাক্কী থৌজালহৈবা পুকচেন॥ ১৫৭

গৌর-কৃপা-টীকা

১৫৬। শ্রীনিত্যানন্দগী মফমদা কবিরাজ-গোস্বামীগী মনাওনা থাজদবা অদু উরগা মীনকেতন-রামদাসনা য়াম্না শাউখরে ; শাউবা অদুমক্তা খুৎতা পাঙ্গবা বংশী অদু থুগাইদুনা লংথোক্লগা লেঙখরে।

শাউবা হাঙ্গবা অসিদি অচম্বা রজোগুণগী থবক্নি। থমোই শেংলবা ভক্ত মীনকেতন রামদাসনা শাউরক্লিবা অসি শাউফম থোক্কবনি। থাজ্জেংশেংবদি, রামদাসকী কৃপানা মফম অসিদা অশাউবগী মঙং মাম্লরে। ভক্তগী কৃপ অদুনা অশাউবগী মতৌ মাম্লবসু, মাদু মঙ্গলগী (মঙ্গোলগী) মরম অমনি। নারদ মুনিনা শাউদুনা কুবেরগী মচানীপা অনিদা শাপ তৌই : উ পাম্বী ওইনা হৌ হাঙ্গদুনা : তৌইগুমসুং মখোঙ্গ অনি অদু শ্রীব্রজ বৃন্দাবনদা যমলার্জ্জুন কৌবা উ-পাম্বী অনি হৌররে ; মাদুদা প্রকট অফোংবা লীলাদা শ্রীকৃষ্ণগী কৃপা অদু মখোঙ্গ অনিনা মরাইবক কদুনা-ফংখি। ভক্তগী মকোক ওইবা নারদগী কৃপা অদুনা শাপ ওইনা ফোংদোরক্লবসু কুবেরগী মচা অনি অদুগী কৃষ্ণ ফংননবগী মরম ওইখি।

১৫৭। নিত্যানন্দগী সেবক্কী পুকচেন—মীনকেতন-রামদাস কী পুকচেন অদুনা কবিরাজ-গোস্বামী মনাওগী মাঙননবা ওইরে। থৌজালহৈবা পুকচেন—চানবি-হৈবা মওং, মাদু মশা মতোমতনা ফোংদোকচবা ওইবা।

ভাইকে ভৎর্সিনু মুঞি লঞা এই গুণ।
সেই রাত্রে প্রভু মোরে দিলে দরশন ॥ ১৫৮
নৈহাটি নিকটে ঝামটপুর নামে গ্রাম।
তাহাঁ স্বপ্নে দেখা দিলা নিত্যানন্দ রাম ॥ ১৫৯
দণ্ডবৎ হৈয়া আমি পড়িনু পায়েতে।
নিজ পাদপদ্ম প্রভু দিলা মোর মাথে ॥ ১৬০

অথ

গুণ লৈবা অসি খঙহুনা ঐনা ইনাওবু চৈবে।
অহিং অহুদা প্রভুনা ঐঙোন্দা উহনখিরে ॥ ১৫৮
নৈহাটীগী মনাক্তা ঝামটপুর-কৌবা খুন্দা।
নিত্যানন্দরাম্না মঙদা উহন্রে মফম থুদা ॥ ১৫৯
ঐনা দণ্ডবৎ তৌহুনা চরণ্দা খুৎজরে।
প্রভুনা মখোৎ থম্বাল্না ঐগী কোক্তা হাপ্লিবে ॥ ১৬০

গৌর-কৃপা-টীকা

১৫৮। চৈরে রাবরুম্মী। নিত্যানন্দ প্রভুগী মফমদা ঐগী (কবিরাজ লাইরিক লেংলিবগী) ইনাওনা থাজদবা অহুনা ঐনা মাওেন্দ চবম্মী হঈহুন নিত্যানন্দ প্রভুন কৃপা লৌবিদুনা অহিং হতুদা মঙদা উহনবিরম্মী।

১৫৯। বর্দ্ধমান-জেলাগী মনুংচনবা নৈহাটীগী মনাক্তা ঝামটপুর খুন্দ লাইরিক লেংলিবা কবিরাজ-গোস্বামীগী মখুম (শঙ্গাঈ) লৈ, যুম অহুদ অহে রাত্র-কীর্ত্তনে ৎসব (মুংখিল অমা অহিং অমা চুপ্পা কীর্ত্তন) তৌরম্মী অমসুং যুম অহুদ নিত্যানন্দ প্রভুনা কবিরাজগী মঙদা উহনবিরম্মী। রাম—বলরাম। শ্রীনিত্যানন্দগী মশক ওইবা বলরাম।
নৈহাটী- নবহট, কালনাগী মনাক্তা।

অহেরাত্র-কীর্ত্তন তৌবগী নিয়ম পথাপ : শ্রীভগবৎ-কীর্ত্তন অসি মখল অনিথোক্না খাঙদোকই। মাহুদি, (১) খোল্লেল শেংনা লাউনা লাইরিক্লচিংবা শাবা অসিবু শ্রীবৈয়াসকী কীর্ত্তন কৌই, ২) অহুগা তান থাহুন ঈশৈ শকপা অসিবুন শ্রীনারদীয় কীর্ত্তন হাঙ্গৈবদি শ্রীসঙ্গীতসঙ্কীর্ত্তন কৌই। অহোরাত্রগী মনুংদা পিক্লা তৌরবদা য়ামত্রবদা শ্রীসঙ্গীত-সঙ্কীর্ত্তন (ঈশৈ) অসি মরিয়ক্তংদি যাওহনফম থোকই। (১) অযুক্তা অমুক, (২) হুমিং যুংবদা

'উঠ উঠ' বলি মোরে বোলে বারবার।
উঠি তাঁর রূপ দেখি হৈনু চমৎকার ॥ ১৬১

অর্থ :—

'হৌগৎলো' হাঙ্গৈহুনা হন্না হন্না তাকপি ঐঙোন্দা।
মাগী মশক উজবদা ঙল্লে হৌগৎলকপদা ।। ১৬১

গৌর-কৃপা-টীকা

অমুক, (৩) খাচংবদা অমক, (৪) নোংয়াইদা অমুক মতম মখি অসি ঈশৈ--শকপা হৌনৈ। খুদমদি :—শ্রীহরি ভক্তি বিলাসকী কুনশুবা বিলাসতা (২০/৯১) হাঙ্গৈরি—

প্রভাতে চার্দ্ধরাত্রে চ মধ্যাহ্নে দিবসক্ষয়ে।
কীর্ত্তয়ন্তি হরিং যে বৈতে তরন্তি ভবার্ণবম্ ।
অমকা শক্কাদোবিবা ঈশৈ অতুগী মমুংদা :
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে
নাম তবাতরুপ অসি যাংহনফম থোকই মরমদি :
হরের্নাম হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলম কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব
নাস্ত্যেব গতিরন্যথা । ১ । ১ । ৩ শ্লোক ৫ । ২০ । ৭ - ৮ পয়ার ।

আদি পুরাণশু হাঙ্গৈরি

নাহং তিষ্ঠামি বৈকুণ্ঠে যোগিনাং হৃদয়ে ন চ ।
মদ্ভক্তা যত্র গায়ন্তি তত্র তিষ্ঠামি নারদ ।।
অর্থ :—শ্রীকৃষ্ণনা নারদ মানা, এফমদ' হাঙ্গৈখিবা বানি
এদি লোতে যোগিসী থাংইদা, বৈকুণ্ঠদা
ঈশৈ তাহুনতা ল ভক্তশী মনাক্তদ ।।
আদি পুরাণগী প্রমাণ অসিদগী অহোরাত্র কীর্ত্তন অসি ঈশৈ ওাক্তা তৌফম থোকপনি, অতুৱ কবিগুস্বা ঙমদ্রবস্থ ঈশৈ অসি মরিবলংদি য়াওহল্ল হাঙ্গৈহুনা হরি ভক্তি বিলাসনা তাকপিরি।

১৬১ মাগী মশক উংবদা নচিংবা শাস্ত্রনচিবদা পরমরামগী মশক তংক্লিব অহু মঙদা উদহুন অতুগ শ্রীনিত্যানন্দগী মশক খ্বাইনা খঙনরবা অহু উদহুনা অতোম্বা। মশক

শ্যাম চিকণ কান্তি প্রকাণ্ড শরীর।
সাক্ষাৎ কন্দর্প যৈছে মহামল্লবীর॥ ১৬২

অর্থ :

অনৌবা নোংগী কুচুনি অচৌবা হকচাংনি।
সাক্ষাৎ কন্দর্পগুম্বনি যাম্না কনবনি॥ ১৬২

গৌর কৃপা টীকা

ঙমা উহনবদা কবিরাজ গোস্বামীনা যা। ঙকখিনম্মী। মথক্কী পযাব অগ্গ পসিদগী পুক্লিংনা নীংঙী, কবিরাজ গোস্বামীগী মমঙদা অহানবদা শ্রীনিত্যানন্দনা ফাওরবা খ্বাইনা শঙনবিবা মশক শভু উবম্মী, মাতু উজবগা ইবাংঙো মানা চবগু খুকমজখি খুৎম্বদগী হৌগৎলকপা মতমদা অহানবগী মশক অত্তু লৈবমদ্রে : অতাপ্পা মশক, অমা ওইতুনা মাগী মমাংদা লেপ্তুনা লৈবে মাদদা মহাক্না ঙকখিবনি। মতুংগী পয়াবদ অকোনবদা উবা অত্তু শিংথাক্কবি

.৬২ সাক্ষাৎ কন্দর্প..বনি কামদেবগী মতৌগুম্না খমোই গ্নম.কপু শুনহৎ। মশাক্ক যাম্না কনবনি পাঙ্গল যাম্না কনবনি

শ্রীনিত্যানন্দ প্রভুগী কুচ্চাদি চাংলপ তৌবা নাপু মচুনি খমস্তুং শ্রীবলরামগী কুচুনা অচৌবনি তৌইগুম্বস্তুং কবিরাজ গোস্বামীগী মঙদদি নিত্যানন্দগী কচ অমস্তু অচৌনা কুচ অনিমক উদতুনা শ্রীকৃষ্ণগী কচ মানবা সমানবা কুচ ওইনা উবে; মাতৃগা নমদি অস্নুন্না ওইবা যাই, শ্রীবলরাম (হাঙ্গৈবদি শ্রীনিত্যানন্দ প্রভু) দি শ্রীকৃষ্ণগা বিলাস রূপনি (শাক্লোন পুথোক নি) খেন্নদবা মশক্কি হাঙ্গৈবা শভু উহনগে হাঙ্গৈবগাদমক শ্রীবলরাম (হাঙ্গৈবদ শ্রীনিত্যানন্দ) না শ্রীকৃষ্ণগী সংবানবা কুচু ওইনা উহনবিবনি; মঙদা উবিনা মশক অতুগা মচিন্দস্তু 'কৃষ্ণ কৃষ্ণ' হাঙ্গৈনা শোল্লম্মী মতুনা সংবানবা কুচ ওইববস্তু মতাক শ্রীকৃষ্ণ নাণ্ডু হাঙ্গৈনা কবিরাজ গোস্বামীনা খঙবা ঙম্মে; শ্রীনিত্যানন্দনা তশেংনা সংবানবা কুচ ওন্দুনা মাঙোন্দা উহনবিরম্বনি। ভক্তি শাস্ত্রদা গুরু গমস্তু কৃষ্ণ তত্ত্ব অমতা ওইবা যাদে শ্রীকৃষ্ণদি অনিগুদবা জ্ঞান তত্ত্বনি, অতুগা শ্রীগুরুদেবনি শ্রীকৃষ্ণগী অচানবা-ভক্ত-তত্ত্বনি (১।১ ২৬ পয়ারগী টীকাদা যেংবিয়ু)। শ্রীগুরুগা মকমদা শ্রীকৃষ্ণনা শক্তি পীডুনা শিষ্যগী মঙ্গলগীদমক ফোংদোকই হাঙ্গৈবতনি।

সুবলিত হস্ত পদ কমলনয়ন।
পট্টবস্ত্র শিরে পট্টবস্ত্র পরিধান॥ ১৬৩
সুবর্ণ কুণ্ডল কর্ণে স্বর্ণাঙ্গদ বালা।
পায়েতে নুপুর বাজে কণ্ঠে পুষ্পমালা॥ ১৬৪
চন্দন লেপিত অঙ্গ তিলক সুঠাম।
মত্ত গজ জিনি মত্ত মন্থর পয়াণ॥ ১৬৫
কোটি চন্দ্র জিনি মুখ উজ্জ্বল বরণ।
দাড়িম্ব বীজ সম দন্ত তাম্বূল চর্ব্বণ॥ ১৬৬
প্রেমে মত্ত অঙ্গ ডাহিনে বামে ঢোলে।
'কৃষ্ণ কৃষ্ণ' বলিয়া গম্ভীর বোল বলে॥ ১৬৭
রাঙ্গা যষ্টি হস্তে দোলে যেন মত্ত সিংহ।
চারি পাশে বেড়িয়াছে চরণেতে ভৃঙ্গ॥ ১৬৮

অর্থ :—

খগ্বান মানবা মিংনি খোং-খুং নিংথিজবনি।
সনা ফিগে খোনবনি কোক্তা কোয়েৎ য়েৎপনি॥ ১৬৩
না-দা সনাগী কুণ্ডল খোল্লী পাম্বোমদা তাল শী।
খোঙদা নূপুরনা ভাল্লি খৌম্বীদা লৈ পরেং শী। ১৬৪
মনম মুংশিবা চন্দন্না হকচাংদা লৈতেংভী।
শামুবু ওমজনা তপ্পা হন্নাওনা লেংভী॥ ১৬৫
কুচু মাইখোংনা থা কোটিবু ওমজবনি।
পানা হাবনি কফোই মরুপ্পা মান্নবা য়ানি॥ ১৬৬
প্রেমদা ভাওহুনা হকচাং'চু ওই-য়েংতা ফেং-ফেং হাই।
'কৃষ্ণ কৃষ্ণ' হাঙ্গীনা অরূপ্পা খোজোন্না কৌই॥ ১৬৭
ফজবা খুৎতা অভাংবা চৈগু অমা পাই।
মাইকৈ মরিদা চরণগী খোইমুনা কোঙ্গীনা পাই॥ ১৬৮

গৌর-কৃপা-টীকা

১৬৩-১৬৮। পয়ার ১৬২ দগী ১৬৮ ফাওবা অসি শ্রীনিত্যানন্দগী মশক মওদা উরম্বা অদু শিংথাবনি।

নিংথিজবনি—ফজবনি। খোং-খুং অদু শামু মনাতোন্না তাথরকপগুম্বা নত্রগা লিনগী মশানা মকোক্কী মমৈরোমদা হুংথরকপগুম্বা তৌবা অদু য়েংবদা পুক্কং হুবগী মশক্তি।

পারিষদগণ দেখি সব গোপবেশ।
'কৃষ্ণ কৃষ্ণ' কহে সবে সপ্রেম আবেশ॥ ১৬৯
শিঙ্গাবংশী বাজায় কেহো, কেহো নাচে গায়।
সেবক যোগায় তাম্বুল চামর ঢুলায়॥ ১৭০

অর্থ :—

লোঈনবশিংন্থু য়েংবদা গোপগী ফিজেৎনি।
পুন্নমক প্রেংগা লোঈননা 'কৃষ্ণ কৃষ্ণ' শোনবনি॥ ১৬৯
কনানা শিঙ্গা বংশী পাঈ জগোই, ঈশৈ শক্ই।
মনাইনা ক্বা ইন্নী কনানা চামর হুমই॥ ১৭০

গৌর-কৃপা-টীকা

থম্বান মানবা নিং—থম্বানগী মগুংগুম্না মিংকী মিচি অহু শাংলপ তৌই। কোক্তা কোয়েং—ফজবা ফি (অপাবাফি) অমনা কোয়েং ফজনা য়েংলম্মী। তাল সনানা শাবা পাম্বোমদা শিবা তাল। চবণগী খেংউম্ লোঈনবশিং। খোইতি পাম্বা খোইমশিংনা থম্বানগী মাইকৈ মবিদা কোইপাই-পাইহুনা লৈবাগুম্না চবণ সেবা পামজবা মনাইশিংস্থু প্রভুগী মাইকৈ মবিদা কোঈবি। খোইমশিংনা ড্রুং ড্রুং ড্রুংবগুম্না মনাইশিংস্থু তপ্পা তপ্পা প্রভুগী নাম-গুণচিংবা শোন্দুনা মুংঙাইনা লে। (মণিপুরদা সঙ্কীর্তন তৌবদা মগুপ মপুনা কোয়েং য়েংলিবা মগুং অসি শ্রীনিত্যানন্দ প্রভুনা য়েংলম্বা কোয়েং মগুংগী মতৌ লৌবা ওইরমগনি হায়না নীংই।

১৬৯-১৭০। প্রভুগী লোঈনবশিংগী মরমদ শিংথাজবি। মখোঈ পুম্নমক গোপ (ষণ শেনবা) গী ফিজেৎ শেংলি; মখোঈগী মচিন্দা 'কৃষ্ণ কৃষ্ণ' হায়বা ব্রাহে অসি প্রেমগা লোঈননা শোল্লী, কনানা শিঙ্গা খোংঙী কনানা বাঁশী খোংঙী, কনানা জগোই শাই কনানা ঈশৈ শকই। মখোঈ পুম্নমকী লমচৎ অহু ব্রজগী ষণ-শেম্নহাগী মতৌ মাল্লী। মনাইশিং অহুগী মমুং। খবমা প্রভুগী মচিন্দা ক ই ী খবা অমনা চামর সেবা তৌই।

নিত্যানন্দ স্বরূপের দেখিয়া বৈভব।
কিবা রূপ গুণ লীলা অলৌকিক সব॥ ১৭১
আনন্দে বিহ্বল আমি কিছুই না জানি।
তবে হাসি প্রভু মোরে কহিলেন বাণী॥ ১৭২
'অয়ে অয়ে কৃষ্ণদাস না করহ ভয়।
বৃন্দাবনে যাহ, তাঁহা সর্ব্ব লভ্য হয়'॥ ১৭৩
এত বলি প্রেরিলা মোরে হাতসানি দিয়া।
অন্তর্দ্ধান কৈল প্রভু নিজগণ লঞা॥ ১৭৪
মূর্চ্ছিত হইয়া মুঞি পড়িনু ভূমিতে।
স্বপ্ন ভঙ্গ হৈল দেখি হৈয়াছে প্রভাতে॥ ১৭৫

অর্থ :—

নিত্যানন্দগী মশক মগুণ যেংসিল্লবদা।
ওইথোক্তবা ঙাক্তা ওই রূপ গুণ লীলা খুদিংদা॥ ১৭১
ঐ নুংঙাইবদা মুনথরে করিস্থ খঙদাবে।
মাতুদা প্রভুনা ঐঙোন্দা রা খরা তাকপিরে॥ ১৭২
'ওহে কৃষ্ণদাস!' নংনা ঐবু কিরোইদৌবনি।
বৃন্দাবন্দা চৎলু, মাতুদা পূম্নমক ফংবনি॥' ১৭৩
ঐঙোন্দা তাকপিরম্লগা অসি হাঙ্গৈহুনা।
মাঙখরে প্রভুনা লোঙ্গৈনবশিংগা লোঙ্গৈননা॥ ১৭৪
ঐ জ্ঞান মাঙহুনা লৈপাক্তা রাম্বহুনা তুরে।
মিকপ থোক্লকপা মতমদ, নোংঙাল্লে জ্ঞান ভারে॥ ১৭৫

গৌর-কৃপা-টীকা

১৭১—৭৩। শ্রীমন্নিত্যানন্দগী রূপ, গুণ, লীলা খুদিংমক অঙ্কপা ঙাক্তনি মাহু (লাইরিক লেংলিবা কবিরাজ-গোস্বামী) ঐনা মগুদা উবদা নুংঙাঙ্গৈবনা মুনখিহুনা অপণ্ডবগী মতৌগুম্না লৈরে। ঐগী ফিবম অদু প্রভুনা উবদা মোমোন নোতুনা ঐঙোনদা হাঙ্গৈরকই— "ওহে কৃষ্ণদাস! নং ঐবু কিগনু। শ্রীবৃন্দাবন্দা চৎলো; মফম অদুদা চৎলগতা নংগী অনীংবা পূম্নমক থুজনি।"

১৭৪। তাকপিরম্লগা—চৎলো হাঙ্গৈনা তাকপিরম্লগা।

কি দেখিনু কি শুনিনু করিয়ে বিচার।
প্রভু আজ্ঞা হৈল বৃন্দাবন যাইবার॥ ১৭৬
সেই ক্ষণে বৃন্দাবনে করিনু গমন।
প্রভুর কৃপাতে সুখে আইনু বৃন্দাবন॥ ১৭৭
জয় জয় নিত্যানন্দ নিত্যানন্দ রাম।
যাঁহার কৃপাতে পাইনু বৃন্দাবন ধাম॥ ১৭৮
জয় জয় নিত্যানন্দ জয় কৃপাময়।
যাঁহাতে পাইনু রূপ সনাতনাশ্রয়॥ ১৭৯
যাঁহাতে পাইনু রঘুনাথ মহাশয়।
যাঁহা হৈতে পাইনু শ্রীস্বরূপ আশ্রয়॥ ১৮০
সনাতন কৃপায় পাইনু ভক্তির সিদ্ধান্ত।
শ্রীরূপ-কৃপায় পাইনু রসভাব প্রান্ত॥ ১৮১
জয় জয় নিত্যানন্দ চরণারবিন্দ।
যাঁহা হৈতে পাইলাম শ্রীরাধা গোবিন্দ॥ ১৮২

অর্থ ঃ—

মওদা উরম্বা তারম্ব'হু বিচার তৌবদা।
প্রভুনা য়াথং পীরম্নে চৎনবা বৃন্দাবন্দা॥ ১৭৬
খুদক অহুমক্তদা বৃন্দাবন্দা চচ্চরে।
প্রভুগী কৃপাদগী বৃন্দাবন্দা লাকচরে॥ ১৭৭
নিত্যানন্দ নিত্যান্দরামবু খুরুমজরি।
মাগী কৃপানা বৃন্দাবনধাম ফংজরি॥ ১৭৮
থৌজাল হৈবা নিত্যাইবু হন্না হন্না খুরুমজরি।
মাগী কৃপাদগী রূপ-সনাতনবু ফংজরি॥ ১৭৯
মাগী কৃপাদগী রঘুনাথ মহাশয় ফংবনি।
মাগী কৃপাদগী শ্রীস্বরূপ ইবুংঙো ফংবনি॥ ১৮০
সনাতনগী কৃপানা ভক্তিগী সিদ্ধান্ত খঙই।
শ্রীরূপকী কৃপানা ভক্তিরসকী ওমথৈ খঙই॥ ১৮১
নিত্যানন্দগী চরণবু খুরুমজরি তৌঙৈনা।
শ্রীরাধাগোবিন্দ ফংজরে মাগী কৃপানা॥ ১৮২

গৌর-কৃপা-টীকা

১৭৬। মওগী মরী অহু বিচার তৌহুনা খনবদা, প্রভু শ্রীনিত্যানন্দন তোল্লবা ঐবু (লাইরিক লেংলিবা কবিরাজ-গোস্বামীবু) শ্রীবৃন্দাবন্দা চৎননবগীদমক য়াথং পীবিরবনি হায়না পুক্নিংদা লেপ্লে।

১৭৮—১৮২। নিত্যানন্দরামবু—মুংঙাইবগী মশক ওইবা শ্রীবলরামবু। শ্রীস্বরূপ ইবুংঙো ফংবনি—শ্রীপাদ স্বরূপ-দামোদর ইবুংঙো অসি শ্রীমন মহাপ্রভুগী মনাক্তা নীলাচলদা

জগাই-মাধাই হৈতে মুঞি সে পাপিষ্ঠ।
পুরীষের কীট হইতে মুঞি সে লঘিষ্ঠ॥ ১৮৩
মোর নাম শুনে যেই তার পুণ্য ক্ষয়।
মোর নাম লয়ে যেই তার পাপ হয়॥ ১৮৫
এমন নির্ঘৃণ মোরে কেবা কৃপা করে।
এক নিত্যানন্দ বিনু জগত ভিতরে?॥ ১৮৫

অর্থ :—

জগাই মাধাইদগী ঐনা হেন্না তোনজবনি।
অমাংশংগী-হন্দগী ঐনা হেন্না তোনবনি॥ ১৮৩
ঐগী মিং তাবদা পুণ্য মাঙনবগী মশক্তি।
ঐগী মিং পনবদা মী অদু পাপ পুগনি॥ ১৮৪
অসুম্না তোল্লবদা কৃপা তৌবিনি কনানা।
জগৎ অসিগী মনুংদা নিত্যানন্দ নত্তনা?॥ ১৮৫

গৌর-কৃপা-টীকা

(ক্ষেত্রদা) লৈ, প্রভুন লীলা শান্নব লোৎসিনখিবা মতুদা, মতম থবা লৈরম্না মহাকসু লীলা লোইসিনখবে, প্রভুনা থুপথ্রবা মতুংদা শ্রীমদ্দাস-গোস্বামী নত্তনা প্রভুগী অংগাপ্পা কনাগুম্বা ন লাচল্লদা তিন্নরম্বা মী অমত্তা শ্রীবৃন্দাবন্দা লাক্লম্মী হাঙ্গনা থভবা ওমদ্রে। কবিরাজ গোস্বামীগী মমভদা শ্রীবৃন্দাবন্দ চংননবা কৃপা পীবিরম্বা অহুনা মরম ওইহুনা ভক্তিগী মবম থিবকপদা শ্রীস্বরূপ দামোদরদ চংজখি। ভক্তিগী সিদ্ধান্ত—শ্রীবৈষ্ণব-তোষণী বৃহদভগবতামৃত অসিনচিংবা ভক্তি-সিদ্ধান্ত পূম্নমক। ভক্তিরসকা ওমথৈ—ভক্তি-রসামৃতসিন্ধুনচিংবা লাইরিক্তা ভক্তিরসকী ওমথৈ ইরি। পয়ার ১৭৩ দা পূম্নমক ফংবনি হাঙ্গবা অদু, অমুক শন্দোক্লা পযার ১৭৮ দগী ১৮২ ফাওবদা ফোংদোকচরি।

১৮৩-৮৫। লাইবিক লেংবিম্বিবা কবিরাজ-গোস্বামীনা মশাগী অতোনবা অদু ফোংদোক্লি।

অমাংবগী হন্দগী—অমাংশঙদা লৈবা টীন্দগী তোল্লবদা—ফত্তবা থবক্তা তুকচবা লৈত্রবদা, ফত্তবা থবক্তা পুক্লিং চংহুনতা লৈরবদা। ঐগুম্না পাপ চেন্নবা অমসুং তোল্লবা মীবু কৃপা তৌবিগদৌবদি তোএবম বু লানবিবা-ওম্বা (পতিত-পাবন) শ্রীনিত্যানন্দ নত্তনা জগৎ অসিদা অতৈ কনামু লৈতে। পূম্নমক অসি কবিরাজ গোস্বামীনা মাগী অতোনবা নোল্লকৃপা ফোংদোকপনি।

গৌর-কৃপা-টীকা

কবিরাজ গোস্বামীনা য়াম্না তোপ্নে হাঙ্গবা অদু উৎতুনা হাঙ্গরি —"অমাংবগী হন্দগীস্থ ঐনা হেন্না তোল্লী।" মাহে অসি মহাক্না লৌনম তৌদুনা (ফাগি তৌদুনা) হাঙ্গবা নত্তে; ভক্তিগী কৃপাদগী লৌনম তৌবা নত্তনা (শেংনা) অতোনবা ওইবা ওন্মী। মী অদুগী মফমদা ভক্তি য়াম্না লৈরবদি, মশা মতোমতনা য়াম্না অতোনবা অমনি হাঙ্গনা নীংজে। "সর্ব্বোত্তম আপনাকে হীন করি মানে। ২। ২৩। ১৪॥" কবিরাজ-গোস্বামীগী মপুক্লিংগী ভাব অসি মতৌ অসিগুম্বনি। মীওইবা নত্তনা জীব পূম্নমক্তি মহাক-মহাক্না তৌজবা থবক্কী মহয় (কর্ম্ম ফল) চাঙ্গ; মখোঙ্গনা বিচার বুদ্ধি লৈতবনা অনৌবা থবক করিস্থ তৌবা ঙমদে, শ্রীকৃষ্ণ নীংবা ঙমদে, মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণ অসি খ্বাইনা নীংনফম অমা ওই হাঙ্গবসি মখোঙ্গনা খঙবা ঙম্নবগী বুদ্ধি লৈতে; বিচার বুদ্ধি শিজিন্নদুনা, নত্রগা শাস্ত্রনচিংবগী (লাইরিক-লাইশুগী) প্রমাণ্না নত্রগা সাধু-সঙ্গী মপান্না, শ্রীকৃষ্ণ-নীংজবগী কান্নবা অদু খঙবা ঙম্নবগী পাঙ্গল মখোঙ্গগী লৈতে। মরম অদুনা মখোঙ্গনা শ্রীকৃষ্ণবু নীংজরুদবগী মরমদা অরুবা অকনবা দোষ মখোঙ্গদা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মী-ওইবদি লাই-নীংবা য়াবা মতিকচাবা হকচাং ওইরে অমসুং হকচাং অদুবা বিচার-বুদ্ধি লৈবা মরম্না, মাসিনা কান্নবা পোৎনি মাসিনা কান্নদবা পোৎনি হাঙ্গবা খঙলে। ফিবম অসিদা মীওইবনা শ্রীকৃষ্ণবু নীংজদদুনা, মহাক্কী বিচার বুদ্ধি অদুনা ইন্দ্রিয়গী মুংঙাইনবতা (চাননবতা) মতম লৈবা খিবিক্তা হোৎনদুনতা লৈরবদি অমসুং ভগবানগা মরী লৈনদবা থবক্তা পুক্লিং চংদুনা লৈরবদি মী মহাক অদুগী লমচৎ অদু ফওবা অমাংবা লমচৎনি। হিরম অসোমদা থল্লুরবদি মী অদু হন্দগীস্থ (অমাংবগী তীন্দগীস্থ) হেন্না তোস্থখরে। মরমদি তীন হাঙ্গবা জাৎ অসি লাই-নীংজবা ঙম্নবগী হকচাং অমসুং বুদ্ধি লৈতে (ক দে), মী ওইবগীদি বুদ্ধি অদু ফংঙী—অদুনা মীওইবনা শ্রীকৃষ্ণবু নীংদ্রবদি ফংলিবা বুদ্ধি অদু অরেম্বা তারে।

অনিশুবদা, তীন কাংগী জাৎতি অনৌবা থবক তৌদুনা মশাগী লৈখা তারিবা ল'ম্ব অদু কোকহনবা ঙমদে, অদুনা অনৌবা থবক তৌননবগী মতিক চাবা বুদ্ধিস্থ লৈ:তে। মীওইবগীদি মাদু লৈ; অদুম্নদি ওইরগা মহাক্না ওন্না-ভৈনবা থবক তৌদুনা লৈবম্বনা লৈখা তাদুনা লৈ। কবিরাজ-গোস্বামীগী ভাবতি অসিনি, লাই-নীংবা যাবা হকচাং ফংলবস্থ ঐনা লাই-নীংজদরে; সাধ্য-সাধন তৌননবা বুদ্ধি ফংলবা ফাওবদস্থ ঐনা সাধন তৌজদরে; অহোইনা বুদ্ধি অদুনা হকচাংগী মুংঙাইনবা থিবদা শিজিন্নদুনা লৈরে। মবম অদুনা ঐ অসি! অমাংশংগী তীন্দগীস্থ হেন্না তোনখবে।

প্রেমে মত্ত নিত্যানন্দ কৃপা অবতার।
উত্তম অধম কিছু না করে বিচার॥ ১৮৬
যে আগে পড়য়ে, তাঁর করয়ে নিস্তার।
অতএব নিস্তারিলে মো হেন দুরাচার॥ ১৮৭
মো পাপিষ্ঠে আনিলেন শ্রীবৃন্দাবন।
মো হেন অধমে দিল শ্রীরূপচরণ॥ ১৮৮
শ্রীমদনগোপাল শ্রীগোবিন্দ দরশন।
কহিবার যোগ্য নহে এ সব কথন॥ ১৮৯

অর্থ:—

প্রেমা ডাওবা নিত্যানন্দ, কৃপা অবতারনি।
জাং অফ-ফত্তা করিস্নু বিচার তৌদবনি॥ ১৮৬
মমাংদা উকবা মী অদু হেক্তা লানবিরে।
মরম অদুনা তোনথ্রবা ঐবুস্নু লানবিরে॥ ১৮৭
পাপ চেল্লবা ঐবু পুবিবে শ্রীবৃন্দাবন্দা।
তোল্লবা ঐবু শিন্নবিরে শ্রীরূপ-চরণ্ডা॥ ১৮৮
শ্রীমদনগোপাল শ্রীগোবিন্দ দর্শন তৌবসি।
চীন্না হাঙ্গদোকপা ঙমজদে ফজবা ময়ামসি॥ ১৮৯

গৌর-কৃপা-টীকা

১৮৬—৮৭। ঐমুক পাপ চেল্লবা মীবু শ্রীমন্নিত্যানন্দনা করিগী কৃপা তৌরিবনো, মাহুৎী মরম হাঙ্গজবি। শ্রীমন্নিত্যানন্দদি কৃপাগী অবতারনি—কৃপাগী অফোংবা হকচাংনি; অদুনা মতিক চাঙ্গ-চাদে হাঙ্গনা বিচার তৌনীংবগী রাখন ইবুংঙো মাঙোনদা লৈতে। মাহুৎগী মথক্তা অমুক, কৃষ্ণ প্রেমদা শ্রীনিত্যানন্দ অসি অডাওবগী মতৌগুমগ্রে—মরম অসিনস্নু মতিক চাই—চাদে-গী বিচার মহাক্না অমুক থিকবা লৈতরে। মরম অদুনা ইবুংঙো মহাক্না মমাংদা উক উরুবা মী অদু, কৃপা তৌবিদুনা কৃষ্ণ প্রেম পীবিদুনা মাবু সংসারগী অরাবদগী লানবি। এগুম্না পাপ চেল্লবা মীবুস্নু লানবি।

১৮৮—৮৯। শ্রীবৃন্দাবন্দা পুবিরক্লগা শ্রীরূপ নচিংবা গোস্বামী শিংগী শ্রীচরণ্ডা চংজহন্দুনা অমস্নুং শ্রীমদন-গোপালগা শ্রীগোবিন্দ ইবুংঙোগী শ্রীচরণ দর্শন তৌহন্দুনা (উহন্দুনা) শ্রীমন্নিত্যানন্দনা ঐগী লান্নবগী উপায় তৌবি। শ্রীমদন-গোপাল—মদন-মোহন

বৃন্দাবন পুরন্দর মদনগোপাল।
রাসবিলাসী সাক্ষাৎ ব্রজেন্দ্রকুমার॥ ১৯০
শ্রীরাধা—ললিতা—সঙ্গে রাসবিলাস।
মন্মথ-মন্মথ রূপে যাহার প্রকাশ॥ ১৯১

অর্থ :—

বৃন্দাবনগী মদন গোপালনা পুরন্দরনি।
রাস বিলাসী সাক্ষাৎ ব্রজেন্দ্রকুমারনি॥ ১৯০
রাস শারৈ শ্রীরাধা—ললিতাগা লোঈননা।
মহাক্না ফোংদোকৃই মন্মথ-মন্মথ ওইনা॥ ১৯১

গৌর-কৃপা-টীকা

শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীনা সেবা চচ্চবা শ্রীকৃষ্ণগী বিগ্রহনি (মশানি)। শ্রীগোবিনদ—শ্রীপাদ রূপ গোস্বামীনা সেবা চচ্চবা শ্রীকৃষ্ণ বিগ্রহনি :

১৯০—১৯১। শ্রীমদন গোপালগী মরমদা শীংথাজরি। বৃন্দাবনগী পুরন্দরদি—শ্রীবৃন্দাবনগী মপুনি; পুরন্দর—লাইগী নিংথৌ। রাস বিলাসী—ব্রজগী গুপীমচাশিংগা রাসলীলা শান্নরিবা মহাক অদুবুনি। সাক্ষাৎ ব্রজেন্দ্র কুমারনি—মদনগোপাল দেব হৌবুংঙো অসি খ্বাইগী মিংথেংদা উনা নত্রগা ধাতুনা নত্রগা লৈবাক্না শাবা মতৌমান্না-লৈবরমু উরবমু ইবুংঙো মহাক্তি অয়েকপা, শেমদুনা শাবা নত্তে, সাক্ষাৎ ব্রজেন্দ্রগী মচা শ্রীকৃষ্ণনি। মরম অদুনা মহাক্না রাস লীলা শান্নরিবনি। মাসি শ্রীপাদ কবিরাজ-গোস্বামীনা খঙবা ভক্তগী রানি, মরম অসিনা মরৈ য়েংকনবা (তর্ক পাগ) মীনদি খঙবা ঙম নত্তে। থাজৈশেংবা মক্তি লাই নীংলিবা মী অদুনা পুক্নিং অমত্তা ওইনা থরাই-যাওনা সেবা তৌবা অদুদা মানা মপানদা লাচ্চবিবা লাই (মূর্ত্তি) নচিংবা অদুদা ভক্ত অদুনা মপুক্নিংনা নীংজরিবা লাই অদু তোংলৈ হাঙবদি চে-দা য়েকপা লাই নত্রগা, মুংগী লাই অদুদা থাজৈশেংবা লাই অদু চংদুনা ফোঙদোক্লে; মতো অসুম তৌদুনা শাদুনা লাংপা লাই অদুদা থাজৈশেংবা লাই অদু (ভগবান অদু) তোংলরবদি পুক্নিং যুংনা নীংলিবা (ঐকান্তিকী) ভক্ত অদুনা প্রতিমা অদুবু (মপানদা লাচ্চরিবা লাই অদুবু) অমুক প্রতিমানি (চেদা য়েকপনি) হাঙনা মপুক্নিংনা খনখিদরে; সাক্ষাৎ নীংজরিবা লাই (ভগবান) অদুমক্তি হাঙনা নীংজরে, মতম অদুদা মাগী অখণ্ডবমু ওইরে। মরম অদুনা ভক্তি সন্দর্ভ কৌবা লাইরিক্তা শ্রীপাদ জীব-গোস্বামীনা হাঙরমী, "পরমোপাসকগণ প্রতিমাকেই সাক্ষাৎ

তথাহি (ভা, ১০।৩২।২)—
তাসামাবিরভূচ্ছৌরি স্ময়মানমুখাম্বুজঃ।
পীতাম্বরধরঃ স্রগ্বী সাক্ষান্মন্মথমন্মথঃ॥ ২১

গৌর-কৃপা-টীকা

পরমেশ্বররূপে দর্শন করেন—পরমোপাসকাশ্চ সাক্ষাৎ পরমেশ্বরত্বেনৈব তাং পশ্যন্তি। ২৮৬।" থাঙ্গৈশেংবমক সাধক মথৈদি (লাইনীংবা মী মথৈদি) নীংজরিবা সেবা চচ্চরিবা প্রতিমা (চেদা য়েকপা লাই, মুংগী লাই) অদুবু প্রতিমানি (অচম্বনি) হাঙ্গীনা নীংদহুনা স্বয়ং থাঙ্গৈশেংবমক্তি হাঙ্গীনা নীংবা হৌনৈ; নত্রবদি ভক্তি অদু মশা নোঙ্গথংলকপদা য়েথাঙ্গবা পীরবা য়াই: মরম অহুনা মাসিগী মরমদা ভক্তি সন্দর্ভদা হায়রি –"ভেদস্ফূর্তেভক্তি বিচ্ছেদকত্বাৎ তথৈব হ্যুচিতম। ২৮৬।" শ্রীরাধা-ললিতা অসিনচিংবা শ্রীমদনগোপালনা শ্রীরাধাগা শ্রীললিতানচিংবী গোপগী মুপীমচাশিংগা লোঙ্গীননা রাসলীলা শাম্নৈ; মরম অহুনা ইবুংঙো মহাকপু রাসবিলাসী হাঙ্গীরিবনি। মহাভাবকী মশক ওইবী শ্রীরাধানা ইবুংঙো মহাকী মনাক্তা লৈবা মতমদা ইবুংঙোগী করুবা মাধুর্য্য অদু অমুকী মতিক হেনগৎখরে, অতোপ্পা রাদি লাপ্পবু থমখিসি, স্বয়ং মদন (অচম্বা নত্তবা কাম) ফাওবসু অহুম ওইবা নিংথিজবা মাধুর্য্যদু উরুরগা শুমহৎলী; অহুনা শ্রীগোবিন্দ-লীলামৃতদা হাঙ্গীরম্মী—"রাধা সঙ্গে যদা ভাতি তদা মদনমোহনঃ। ৮। ৩২।।" থাঙ্গৈশেংবমক লীলা পুম্নমকী মকোক্তী মণি ওইবা শ্রীরাস-লীলাদতা থোইদোক-হেন্দোক্লা প্রেম লৈরবী গোপী চা কোটীগা লোঙ্গীনবা অতুদা—থোইদোকপদি গোপী শাগৈগী (ময়ামগী) মকোক মাদনাখ্য-মহাভাবকী মশক ওইবী শ্রীরাধাগা লোঙ্গীনবা অহুদা শ্রীকৃষ্ণগী নিংথীজবা মাধুর্য্যানচিংবা অদু খমথেংনা ফুগাই-না শাকাঙ্গবা ফংঙী, মাহুদা শ্রীকৃষ্ণগী নিংথীজবা মাধুর্য্যানচিংবা অদু খমথেংনা ফুগাইনা শাকাঙ্গবা ফংঙী, মাহুদা শ্রীকৃষ্ণগী মদন-মোহন ওইবসু (অচম্বা অমসুং চমদবা কামু শুমহৎপা ওম্বসু) খমথেংনা ফোংদোকই। মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী রাসবিলাসী ওইবগী মশক অদুবু শ্রীমদভাগবত্তা সাক্ষাৎমন্মথ-মন্মথ ওইবা মশক্তি হাঙ্গীরি। (১০। ৩২। ২) মন্মথ-মন্মথ ওইনা - স্বয়ং কন্দর্পবু শুমহৎপা ওম্বা (পুক্লিংহুবা ওম্বা শক্তি অহুবসু শুমহৎপা ওম্বা) ওইনা। (মতুংগী শ্লোকী টীকাদা সাক্ষান্মন্মথমন্মথঃ রাহৈগী ব্যাখ্যা য়েংবিয়ু)। অমুম ওইবা হাঙ্গফম খঙদবা নিংথীজবা পুক্লিং হুবগী মশক ওইবা (মাধুর্য্যময়) রাস-বিলাসী ব্রজেন্দ্র নন্দন্না (ব্রজেন্দগী মচানা) শ্রীপাদ সনাতন-গোস্বামীগী লাচ্চরিবা শ্রীমন্মদন-গোপালগী মূর্ত্তিদা (মশাদা) চঙহুনা (ভোংহুনা) লৈরগা লাইরিক লেংবা কবিরাজ-গোস্বামীবু উহনবিহুনা (দর্শন পীবিহুনা) মহে য়ালহনথি।

শ্লো। ২২। অন্বয়। স্ময়মানমুখাম্বুজঃ (মোয়োন নোকপা মাইথোং-থম্বাল) পীতাম্বরধর মনাকিগে থোনবা, পাইবা) স্রগ্বী (লৈ-মালোং থোকবা) সাক্ষান্মন্মথমন্মথঃ (থাঙৈশেংবা

গৌর-কৃপা-টীকা

মীগী পুক্লিং হুবা ওম্বা লাই অহুগীস্ পুক্লিং হুবগী মশক ওইবা) শৌরিঃ (শূব শাগেদা পোকপা শ্রীকৃষ্ণ) তাসাং (তহুম ওইবা গোপীশিংগী) [মধ্যে] (মবক্তা) আবিভূ‘ৎ (ফাওররে)।

অনুবাদ। মোমোন নোকপা মাইথোং থম্বান, সনাফিগে পাঙ্গবা (থোনবা) অমম্ভং লৈপরেংনা লৈতেংবা মূর্তিমান (মশক নাইবা) মদনমোহন—ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অহুম ওইবা ব্রজ গোপীশিংগী মরক্তা ডাম্বোইররে (ফাওররে)। ২২।

তাসাং—রাস শান্নফমদগী শ্রীকৃষ্ণনা মাঙখ্রবদা (অন্তর্হিত ওইখ্রবদা) ইবুংঙো মহাকপু উজনীংবগী ব্রাবন। কপুনতা লৈববা গোপগা মুপীমচাশি অহুগী ফিবম অহু মথরাই ফাওবা থাদোকপদা চিংনরক্কহুনা মহৈ মহৈ শ্রীকৃষ্ণ উদ্রবদি থর'ই থাবগনি হাঙ্গনা তৌরক্কবা মতম অহুদা, ইবুংঙো মহাক্না মখোঙ্গ পুন্নমক্কী ময়াইদা ফাওরবে। ইবুংঙো মহাক্না করম্বা শকওংদা ফাওরববগে হাঙ্গবহু হাঙ্গজবি। স্ময়মানমুখাম্বুজঃ—মোমোন নোকপা মাইথোং থম্বান্না। শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোংদি মহৌশ,না থম্বান মানবনি হাঙ্গবদি থাম্বাগী মতৌগুন্না থোংনা ফজবনি, মরম অহুনা উবামক্তদা অরা-অনা কোকহনবা ওম্মা; মাহুগী মথক্তা ইবুংঙো এহাক্না অমুক মোমোন নোকুনা ফজবা মাইথোং অহু অমুক হেন্ন ফজহন্দুনা গোপগী নিংথীজবীশিং অহুগী মবক্তা চংলক্লে; মহাক্না থব্রী, মহাক্কী মোমোন নোকপা মীনোক অহু উবদা গোপীশিনা মাবু কাঙ্গনবগা মৈনা চাক্লম্বা অহু কোকান, ফুং াইবগী রসনা থনগনি। গোপীশিংনা ইবুংঙো মহাক্কী মরমদা ডাইহাক্কং উদবদা যুগ কযামুক উদবগা মান্নবা খাংফম খওদনা ব্রাবগা অহু খওলহুনা ইবুংঙো মাগী থম্মোইদা ফাওবহুনা, মোমোন-মোমোন নোকুনা থেমভিলম্মী। সনাফিগে পাঙ্গবা, থোনবা—শ্রীকৃষ্ণগা লেংবান্দগী মাওলোমদা (থবাক্তা) সনা ফিগেগী মথাং অমা চোম্বক্লিবা অহু খুৎ অনিনা পাঙ্গবা। সনাফিগে ব্রাহৈ অসিদা হাঙ্গবম্নবদি সনাফিগে থোনবা শ্রীকৃষ্ণবু খওনৈ ; সনাফিগে পাঙ্গবা হাঙ্গরুবগী ভাবতি অসিনি, খুৎ অনিনা লেংবান্দগী য়াম্বক্লিবা সনাফিগে মচিন অনি অহুবু পাঙ্গহুনা লেপ্তুনা লৈবা হাঙ্গবনি। গোপীশিংবু অরাবা পোকহন্সিবা অসি শ্রীকৃষ্ণননি, ইবুংঙো মহাক্না থদোকপিকহুনা অরাবা পোকখিবনি। অহুনা গোপীশিংবু অবাবা পোকহনবা অসি অরানবা দোষ ওমনি হাঙ্গনা শ্রীকৃষ্ণনা নীংলহুনা মবান অহু ডাকপিযু হাঙ্গনা হাঙ্গজবা অহু থবন্ডম্ উৎপগী ভাব ওইনা লেংবান্দা ফি ব্রাল্লিবনি। স্রগ্বী তনৌ-তনৌবা লৈপরেং থোনবা। শ্রীকৃষ্ণগী ওকশমদা চান্নবীশিংনা অন্তর্ধান ওইখ্রিবৈদা (মাঙখ্রিবৈদা) লৈ-পরেং শিংনখিবা (থেলহংখিবা) অহু, মতম অহু ফাওবা লৈমন চন্দ্রি তনৌ-তনৌবি

স্বমাধুর্য্যে লোকের মন করে আকর্ষণ।
দুই পাশে রাধা ললিতা করেন সেবন॥ ১৯২
নিত্যানন্দ দয়ায় মোরে তাঁরে দেখাইল।
শ্রীরাধা মদনমোহনে 'প্রভু' করি দিল॥ ১৯৩

অর্থ :—

মীগী পুক্লিং চিংসিল্লী মশাগী মাধুর্য্যনা।
নাকন অনিদা সেবা তৌই রাধা ললিতানা॥ ১৯২
মাহুৎবু নিত্যানন্দনা চানবিহুনা উহল্লে।
শ্রীরাধা-মদনমোহন্দা প্রভু ওইহল্লে॥ ১৯৩

গৌর-কৃপা-টীকা

হাঙ্গবা ফোংদোকই। অম্মমস্থ খণ্ডনবি, চান্নবীশিংনা কংলকপা (শিবিবকপা) লৈ পরেং অহু মহাক্লা যাম্ন' চেকশিন্না ভাক-শেন্দূনা থবাক্তা থম্লম্মী, মাহু খণ্ডবা ওম্লগা, উদবগী-মৈচাক্লা চাক্লিবা ব্রজগী মুপীমচাশিং অহুগী থমোই অহু হবাওজনবগী দমক।

সাক্ষান্মন্মথমন্মথ—পুক্লিং হুবা ওম্নিবা অহুগীস্থ পুক্লিং হুবাওম্বা। চতুর্ব্যূহ (ব্যূহমরি)গী মন্নুংচনবা প্রদ্যুম্ন কৌবা অসি অপ্রাকৃত (চমদবা) মন্মথ হাঙ্গবদি মদন-নি; দ্বারকাগী চতুর্ব্যূহগী মন্নুংচনবা প্রদ্যুম্ননা, অতোপ-অতোপ্পা ধামদা লৈবা চতুর্ব্যূহ পূম্নমক্কী মন্নুংচনবা প্রদ্যুম্নশিংগী মরূ ওইবা মবম্না, দ্বারকাদা লৈবা প্রদ্যুম্ননা মরূ ওইবা অপ্রাকৃত মন্মথনি (চমদ্রবা পুক্লিং হুবা ওম্বা অহুনি)। অস্মম ওইবা পুক্লিং হুবা ওম্বা শক্তি অসিগী মরূ ওইবা চংজফমদি ব্রজেন্দ্র-নন্দন শ্রীকৃষ্ণনি—য়েংননবগী শক্তিগী মরূ ওইবা চংজফমদি মিংকী মিংনি হাঙ্গবগুম্না, পুক্লিং হুবা ওম্বা শক্তি অহুগীস্থ মরূ ওইবা চংজফমদি শ্রীকৃষ্ণনি। প্রদ্যুম্নগী মশক ওইবা অপ্রাকৃত মন্মথগী-থমোই পূম্নমক-শুমহৎপা শক্তিগী চংজফম মরূদি শ্রীকৃষ্ণনি হাঙ্গহু। শ্রীকৃষ্ণবু মহামন্মথ কৌই। শ্রীকৃষ্ণদি পুক্লিং হুবা ওম্বা শক্তিগী মহাসাগর গুম্বনি, মাহুগী মরিক অমতং কামদেবনা ফংবদা শুমহৎপা ওম্বা শক্তি লৈস্নিবনি। সাক্ষাৎ-রূপে অসিনা থাঙ্গেশেংবা কামদেব প্রদ্যুম্নবু খণ্ডনে, অচম্বা কামদেববু খণ্ডনদে, মবমদি, অচম্বা কামদেবদি সাক্ষাৎ-রূপ নত্তে, মহাক্তি প্রদ্যুম্নগী শক্তিদগী ওইখিবনিনা শেংদবা মশক্তি, প্রদ্যুম্নগী শক্তিগী মনিক অমতং ফংবদা কামদেবনা জগৎপু শুমহৎপা ওম্মী, তৌইগুম্বস্থং অপ্রাকৃত ধামদদি (অচম্বা নত্তবা লাইরৈবাক্তদি) মহাক্কী শক্তিনা থবক তৌবা ওমদে। মন্মথ-মন্মথ-রূপে অসিনা প্রদ্যুম্নগুম্বা মন্মথশিংগীস্থ পুক্লিং শুমহৎপা ওম্বা খণ্ডনৈ। পয়ার ১৯১ গী প্রমাণ ওইবদি শ্লোক অসিনি।

১৯২—৯৩। শ্রীকৃষ্ণদি মন্মথ-মন্মথনি হাঙ্গহুনা মহাক্কী শিংথাবা ওমদবা মাধুর্য্যনা পূম্নমক্কী থমোইবু চিংসিনবা ওম্মী। প্রভু ওইহল্লে—ঐগী ইবুংঙো ওইহল্লে।

মো অধমে দিল শ্রীগোবিন্দ দরশন।
কহিবার কথা নহে অকথ্য কথন।। ১৯৪
বৃন্দাবনে যোগপীঠ কল্পতরু বনে।
রত্নমণ্ডপ তাহে রত্নসিংহাসনে।। ১৯৫
শ্রীগোবিন্দ বসিয়াছেন ব্রজেন্দ্রনন্দন।
স্বমাধুর্য্য প্রকাশ করেন জগত মোহন।। ১৯৬
বামপার্শ্বে শ্রীরাধিকা সখীগণ সঙ্গে।
রাসাদিক লীলা প্রভু করে কত রঙ্গে।। ১৯৭
যাঁর ধ্যান নিজ লোকে করে পদ্মাসন।
অষ্টাদশাক্ষর-মন্ত্রে করে উপাসন।। ১৯৮

অর্থ : –

তোল্লবা ঐবু শ্রীগোবিন্দ দর্শন পীবিবে।
হাঙ্গদোকপা য়াবা রা নত্তে – য়াম্না থুপখরে।। ১৯৪
বৃন্দাবন্দা কল্পতরুবনগী যোগপীঠদা।
রত্নমণ্ডপকী ময়াইদা রত্নসিংহাসন্দা।। ১৯৫
ব্রজেন্দ্রনন্দন শ্রীগোবিন্দ ফমত্তুনা ওাল্লি।
মাধুর্য্য ফোংদোক্লি জগৎ শুমহংলি।। ১৯৬
ওঙ্গদা শ্রীরাধিকা সখীশিংগা লোঙ্গননা।
প্রভুনা রাসনচিংবা লীলা শান্নে মুংঙাইনা।। ১৯৭
ব্রহ্মানা মাগী সত্যলোক্তা মাবু ধ্যান তৌই।
মাবু মযেক তবানিপানগী মন্ত্রনা নৌংই।। ১৯৮

গোব-কৃপা টীকা

১৯৫—১৯৭। শ্রীমদন-গোপালগী শিংথাবা লোইবগুন হৌজিক শ্রীগোবিন্দগী শিং-থাজরি। যোগপীঠ—চান্নবা খিবিক্তা লোঙ্গনন। শ্রীরাধা গোবিন্দগী উনফম মফম। যোগপীঠগী ময়াইদা মণিগী মশক ওইবা লেকা তরুক পানবা থম্বাল লৈ; মাতুগী ময়াইদা থমচেং অতুদা শ্রীরাধাগোবিন্দগী রত্নসিংহাসন লৈ, অচৌবা থম্বাল অতুগী অতেপ-অতোপ্পা লৈকাদা মফম চানা-চানা সেবাদা থবাই যাওজববা সখী-মঞ্জরীশিংগী লেপফম ওই। কল্পবৃক্ষগী মথাদা যোগপীঠ অসি লৈ। রত্নমণ্ডপ—রত্ননা শাবা মণ্ডপ হাঙ্গবদি পোৎথানবা যুম। রত্নসিংহাসন—রত্ন ভাক্তনা শাবা সিংহাসন।

১৯৮। সত্যলোক্তা—ব্রহ্মাগী মরৈবাক্তা, ব্রহ্মলোক্তা। মাবু—শ্রীগোবিন্দবু। মযেক তবানিপানগী মন্ত্র—ক্লীং কৃষ্ণায গোবিন্দায গোপীজনবল্লভায স্বাহা।। শ্রীকৃষ্ণবু মন্ত্র ভাবতা

চৌদ্দ ভুবনে যাঁর সবে করে ধ্যান।
বৈকুণ্ঠাদিপুরে যাঁর লীলা গুণ গান। ১৯৯

অর্থ :—

মরোন অমামরিগী মীনা মাবু ধ্যান তৌই।
বৈকুণ্ঠনচিংবদা মাগী লীলা গুণ শকই॥ ১৯৯

গৌব-রূপা টীকা

ভাবতা নীংননবা মন্ত্র অথন্নবা অমনি, মন্ত্র অসিদা মযেক তরানিপান লৈ হাঙ্গহ্না মাসিবু মযেক তবানিপানগী মন্ত্ররাজ কৌই। ব্রহ্মানা মাগী মফমদা লৈরগা ময়েক ত্বা-নিপানগী মন্ত্র অসিনা শ্রীগোবিন্দবু নীংই, শ্রীগোবিন্দগী রূপ (মশক) ধ্যান তৌহনা লৈ। "তদু হোবাচ ব্রাহ্মণোঽসাবনবরতং মে ধ্যাতঃ স্তুতঃ পরার্দ্ধান্তে সোহবুধ্যত গোপবেশো মে পুরুষঃ পুরস্তাদাবির্বভূব। ততঃ প্রণতেন ময়াণুকূলেন হৃদা মহ্যমষ্টাদশার্ণং স্বরূপং সৃষ্টায় দত্বান্তর্হিতঃ, পুনঃ সিসৃক্ষা মে প্রাদুর্ভূত্। গো, ত, শ্রুতি। ব্রহ্মানা হাঙ্গখি ঐনা অবেপ্পা লৈতনা ঃবুংডো মাবু ধ্যান তৌজবদা অমস্তুং খোঙ্গেন রাংনা বৈদা (মগুণ থাগচ্চবদা) স্তুতিবাদ তৌবদা পুন্সিগী তঙথাই অমা তৌপ্রবা মতুংদা, যণশেনবগী ফিজেৎ শেত্নুনা (গোপবেশ-পুরুষ) ইবুংঙো মহাক্কা ঐগী মাঙদা ফাওবিররহ্না উহনবিররে। তদা ঐনা মহাক্কী চবণ্ডা খুকমজানা ঐবু চানবিহ্না জগৎশেম্বা তম্নবগী (সৃষ্টিগী থবক তৌহন্নবগী) দমক ঐডোন্দা মহাক্কী ময়েক তবানিপানগী মন্ত্র অসি তাকপিরম্নগা মাঙখবে, মতুংদা অমুক লৈশেম্নবগী বাখন তৌবরুবদা ঐগী মাঙদা ফাওবিরে (ফোংদোকপিরে)॥" ব্রহ্মানা মাগী লৈফম সত্যলোক্তা লৈবগা শ্রীগোবিন্দবু ধ্যান তৌই, শ্রীবৃন্দাবনগী যোগপীঠদা চচ্চবা ওম্না মবাইবক্তা তম্নমহ্রে। অদুম ওইবা অমুক তাওপ্রবা বৃন্দাবনগী যোগপীঠবুম্ন শ্রীনিত্যানন্দদা রূপা তৌবিহ্না ঐগুম্বা করিস্নু লৈতনা তোনপ্রবা মীদা দর্শন পীবি-মাসি কবিরাজ গোস্বামীগী রাখন্নি।

১৯৯। মবোন তরামরিগী মীশিং অসিনা শ্রীগোবিন্দবু ধ্যান তৌবা অসিদা, শ্রীগোবিন্দনা মীপুম্নমক্কী পুক্নিংবু হুবাগ্রে হাঙ্গবা তাকপনি। বৈকুণ্ঠনচিংবা ধামদা মফম অদুগী মপু ওইরিবা শ্রীনারায়ণচিংবী লীনা ঙ্গেচিংবা লৈন-লৈনা শ্রীগোবিন্দগী লীলা-গুণচিংবা শকপা মবম্না শ্রীনারায়ণচিংবগী লীলাগুণগী মগুণগী শ্রীগোবিন্দগী লীলা গুণগী মগুণা চাওই হাঙ্গবা তাকই।

যাঁর মাধুরীতে করে লক্ষ্মী আকর্ষণ।
রূপ গোসাঞি করিয়াছেন সে রূপবর্ণন। ২০০

অর্থ :—

লক্ষ্মী চিংসিল্লী মাগী নিংথজবা অতুনা।
অসুম হাঙ্গনা শিংথারম্মী শ্রীরূপ গোসাঞিনা॥ ১০০

তথাহি ভক্তিরসামৃতসিন্ধৌ পূর্ব্ব বিভাগে ২য় লহর্য্যাম (২। ১১১)—

স্মেরাং ভঙ্গীত্রয় পরিচিতাং সাচিবিস্তীর্ণ দৃষ্টিং
বংশান্যস্তাধর কিশলয়া মুজ্জ্বলাং চন্দ্রকেণ।
গোবিন্দাখ্যাং হরিতনুমিতঃ কেশিতীর্থোপকণ্ঠে
মা প্রেক্ষিষ্ঠা স্তব যদি সখে বন্ধুসঙ্গেহস্তিরঙ্গঃ॥ ২৩

গৌর-কৃপা-টীকা

২০০। শ্রীনারায়ণগী থবাক্তা শামজরিবী লক্ষ্মী ফাওববু চিংসিনবা ঙম্মী হাঙ্গতুনা শ্রীকৃষ্ণ মাধুর্য্য অসিবু খ্বাই পূম্নমক্কী হেন্না ৱাংথরে হাঙ্গনা খঙনৈ। মপুরোইবা নীংবী সতী পূম্নমক্কী মকোক ওইবিবী লক্ষ্মী দেবীবু শ্রীনারায়ণ্ন চিংসিগু্না লৈরিবা অতুদগী হিক্তোকলতুনা শ্রীকৃষ্ণগী মাধুর্য্যরোমদা চংসিল্লকই. অতুনদি ইবুংঙো মহাক্কী মাধুর্য্য অসিবু কবিগুম্বা তোল্লবা জীবশিংনা উজবা ফংলবদি পূম্নমক্কী অপাম্বা অতু থাদোক্তুনা শ্রীকৃষ্ণগী মাইকৈরোমদা হোংচিল্লকনি হাঙ্গবদি শ্রীকৃষ্ণনা চিংসিনগনি হাঙ্গবদা করিস্থ অরানবা লৈরোই। ব্রজেন্দ্রনন্দন শ্রীকৃষ্ণগী মশক্কী মাধুর্য্যদা পুক্নিংচিংসিন্নখিতুনা, বৃন্দাবন্দা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফংননবগীদমক লক্ষ্মী দেবীনা য়াম্না কন্না তপস্যা তৌখি নীংখি)। "যদ্বাঞ্ছয়া শ্রীর্ললনাচরত্তপো, ।, শ্রীভা, ১০। ১৬। ৩৬॥" শ্রীকৃষ্ণগী শক অসিন পূম্নমকপু চিংসিরবা ঙম্মী হাঙ্গবসি খঙহন্নীংবগী মরমদা শ্রীরূপ গোস্বামীনা লেংবা "স্মেরাং" নচিংব শ্লোক মথাদা উচ্চরি।

শ্লোক। ২৩। অন্বয়। হে সখে (হে মরূপ)! বন্ধুসঙ্গে (মরূপ-মপাং চিন্নবা) যদি তব (নংনা) রঙ্গ (নীংবা) অস্তি (লৈরবদি), ইতঃ (মফম অসিদগী চংতুনা) স্মেরাং (মোমোন নোকপা) ভঙ্গীত্রয়পরিচিতাং (শাথেক অহুম ওইবা) সাচিবিস্তীর্ণ দৃষ্টিং (অশাংবা মিচিনা য়েংবা) বংশীন্যস্তাধরকিশলয়াং (ডা-ড্রানবা চিনবান্দা বংশী-খোংশিবা) চন্দ্রকেণ (ৱাহোং মতুনা) উজ্জ্বলাং (লৈতেংশিবা) গোবিন্দাখ্যাং (গোবিন্দ কৌবা) হরি তনুং (শ্রীহরিগী মূর্ত্তিবু) মা প্রেক্ষিষ্ঠাঃ (য়েংবিরু নাহু)।

অনুবাদ। হে মরূপ! মরূপ মপাং তিন্নতুনা লৈবা নংনা পাম্লবদি (নীংলবনি) নংনা মফম অসিদগী চংখিতুনা ডাং ড্রানবা চিনবান্দা বংশী থোল্লিবা অমসুং অশাংবা মিংচিনা

সাক্ষাৎ ব্রজেন্দ্রসুত ইথে নাহি আন।
যেবা অজ্ঞে করে তাঁরে প্রতিমাদি—জ্ঞান॥ ২০১
সেই অপরাধে তার নাহিক নিস্তার।
ঘোর নরকেতে পড়ে, কি বলিব আর॥ ২০২

অর্থ :—

সাক্ষাৎ নন্দগী মচানি অতৈ অমা নত্তে।
অপঙবা মীনা মাবু নীংই অশেংবা নত্তে॥ ২০১
মবাল অতুনা মী অতু লানবা ঙমদবনি।
তমথিরবা নোবোঙ্কা তাই করিঁমুক হাঙ্গৈগনি॥ ২০২

গৌর-কৃপা-টীকা

খোইবপ্পা য়েংলিবা, মোমোন নোকপা, শাথেক অতুম ওইবা, রাহোং মতুনা লৈতেংবা কেশিঘাটকী মনাক্তা ভাগ্যোইরিবা শ্রীগোবিন্দ কৌবা মুর্ত্তি অতু য়েংবিরুগনু (মাতু য়েং-বিকরবদি অমুক মরূপ-মপাং তিন্ননীংবগী খোঁরাংবা লৈররোই)। ২৩।

মা প্রেক্ষিষ্ঠাঃ—য়েংবিরুগনু ; মফম অসিদা অথিংবা-অখাম্বা অসিনা ইস্ক্রিনবা-থৌজিনবা ওইনা থোকই। শ্রীগোবিন্দগী মাধুর্য্য নিংথৌজবা অতুবু উরুরবদি মরূপ-মপাং তিন্নবগী মুংঙাইবা ফংবা অতু ইচম চম্বনি হাঙ্গৈনা নাংগ্রগনি, মরম অসিনা অমুক্তং বৃন্দাবন্দা লৈরিবা কেশিঘাট্টা চত্তুনা শ্রীগোবিন্দবু দর্শন তোবিরু অতু ওইববদি ইতু-ইচানচিংবা মরূপ-মপাং তিন্ননীংবগী খোঁরাংবা অমম্লুং সনা, লুপা, লম-তু নচিংবা সংসারগী অপাম্বা পুন্নমক মরুফংনা মাঙখিগনি—অসি হাঙ্গৈবনি। মাসিদা শ্রীগোবিন্দনা চিংসিনবা ঙম্বগী পাক্সল অসি খ্বাইদগী তেক্লী হাঙ্গৈবা তাকই। বঙ্গ-বনজ ধাতুদগী থোকখিবনি, অপাম্বা, অনীংবা। সাচি-বিস্তীর্ণ-দৃষ্টি—সাচি (অখোঙ্গৈবা) অমম্লুং বিস্তার্ণ (অশাংবা) দৃষ্টি (মিৎ) মাগী ; মাগী নাকোং যৌনিংচিৎ শাংবা মিৎনা খোইবপ্পা য়েংনদা ফজবদা হাঙ্গৈনীংঙাই লৈংবা। বংশী-ন্যস্তাধর-কিশলয়—বংশী (বাশী) ন্যস্ত (থম্বা) মহাক্কী ভাং-ভুানবা চিনবান্দা। শ্রীগোবিন্দগী চিনবান্দি উনা অনৌবগী মতৌগুম্না হাইফেংতং ভাংই ; অতুম ওইবা চিনবান অতুদা বংশানা নিংথৌজরি (লৈতেংলি)। কেশিতীর্থ—বৃন্দাবনদা যমুনাগী ঘাট অমগী মমিং কেশিঘাট কৌই ; তীর্থগা অর্থ ঘাট। হৌজিক বৃন্দাবনদা শ্রীগোবিন্দগী থাইনগী মন্দির অমা লে, মাতুদা শ্রীরূপ-গোস্বামীনা লৈরিংঙৈগী মতমদা শ্রীগোবিন্দ ইবুংঙোগী মুর্ত্তিনা ভান্দুনা লেরম্মী। মন্দির অতুবু শ্লোক অসিদা কেশিতীর্থোপকণ্ঠস্থিত মন্দির হাঙ্গৈনা থঙনরে।

২০১—২০২। মথক্কী পয়ার পুন্নমক্তা অমম্লুং শ্লোক্তা শ্রীগোবিন্দ ইবুংঙোগী অঙকপা মাধুর্য্যগী (পুক্নিং হুবগী। সা হাঙ্গৈখবে, স্বয়ং শ্রীব্রজেন্দ্রগী মচা নত্তনা মহাক্কী মুর্ত্তিনা

হেন যে গোবিন্দ প্রভু পাইনু যাঁহা হৈতে।
তাঁহার চরণ কৃপা কে পাবে বর্ণিতে॥ ২০৩
বৃন্দাবনে বৈসে যত বৈষ্ণব-মণ্ডল।
কৃষ্ণনাম পরায়ণ পরম মঙ্গল॥ ২০৪
যাঁর প্রাণধন নিত্যানন্দ শ্রীচৈতন্য।
রাধা কৃষ্ণ ভক্তি বিনে নাহি জানে অন্য॥ ২০৫
সেই বৈষ্ণবের পদরেণু তার পদ-ছায়া।
মো অধমে দিল নিত্যানন্দ করি দয়া॥ ২০৬
'তাঁহো সর্ব্ব লভ্য হয়' প্রভুর বচন।
সেই সূত্র এই তাঁর কৈল বিবরণ॥ ২০৭

অর্থ :—

অসিগুম্বা গোবিন্দবু ফংজরে মাংঙান্দগী।
কনানা শিংধাবা ওমগনি কৃপাবু মাগী॥ ২০৩
বৃন্দাবন্দা বৈষ্ণব মযাম অমা লৈরিবত্থু।
কৃষ্ণনামদা থব্বাই যাওবা ওাক্তনি ময়ামত্থু॥ ২০৪
মখোঈগী থব্বাইগী ললনি নিত্যাই চৈতন্যনা।
অতৈ খঙদে রাধা কৃষ্ণগী ভক্তি নত্তনা॥ ২০৫
বৈষ্ণবশিংগী খুয়া উফুল, খোংগী মকম অত্থু।
তোল্লনা ঐঙোন্দা ফংহল্লে নিত্যাইনা মাত্থু। ২০৬
'মাসি, পুম্নমক ফংবা কৌই' প্রভুগী যাথংনি।
শুপচিনবত্থু ম সিনা শনদোক্না হাঈববনি॥ ২০৭

গৌব-কৃপা টীকা

অত্থম হ ঈনা মাধুর্য্য ওইবদি মহৌশানা ওইথোক্তবনি হাঈত্থনা। কেশিঘাটকী মনা-। লৈরিবা শ্রীমূর্ত্তি অসি অচম্বা মূর্ত্তি নত্তে, থাঙ্গেশেংবা নন্দগী মচামক্তি-হাঙ্গরিব ন।

সাক্ষাৎ নন্দগী মচানি—স্বয়ং থাঙ্গেশেংবা ব্রজনিংথৌগী মচা শ্রীকৃষ্ণমক্তি। অতৈ অতোপ্পা; মূর্ত্তি অসি নন্দগী মচামক্তি, চিংনফম লৈতে। মবাল অত্থনা অচম্বা মূর্ত্তিনি করিম্থু শক্তি লৈতবনি হাঈনা নাংলুবগী মরাল্ল অত্থুনা। মথক্কী পয ব ১৯০ ৯১ গী টীকাদা যেংবিযু। মী মী ত্থুনা লাচ্ছবিবা ভগবানগী মূর্ত্তি (সেবা, পূজা তৌজবিবা ঈশ্বরগী মূর্ত্তি) অত্থুবু অচম্বা অশেম্বনি হাঈনা নীতুববদি পাপ পুই, অদুন অচম্বা মূর্ত্তিনি হাঈনা নীংহৈদে। "অথ শ্রীমৎ প্রতি মাযাম্ব তদাকাবৈক পতযৈব চিন্ময়ত্বি। আকাবৈকাৎ শিলাবুদ্ধিঃ কৃতা কিংবা প্রতিমাযাং হবের্মাযেত্তি ভাবনাওবে দোষশ্রবণাচ্চ। ভক্তিসন্দর্ভঃ। ২৮৬।" নোরোক্তা—নরক্তা, অরাবদা।

২০৩—২০৫। মাঙোনদগী—শ্রীনিত্যানন্দগী কৃপাদগী। মখোঈগী—বৈষ্ণব মণ্ডলী অত্থুগী।

২০৭। মাসিনা অসিনচিংবা—পায়ার—১৭৮—২০৬ ফাওবনি।

সে সব পাইল আমি বৃন্দাবন আয় ।
সেই সব লভ্য এই প্রভুর অভিপ্রায় ॥ ২০৮
আপনার কথা লিখি নির্লজ্জ হইয়া ।
নিত্যানন্দগুণে লেখায় উন্মত্ত করিয়া ॥ ২০৯
নিত্যানন্দ প্রভুর গুণ মহিমা অপার ।
সহস্র বদনে শেষ নাহি পায় যার ॥ ২১০
শ্রীরূপ রঘুনাথ পদে যার আশ ।
চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস ॥ ২১১
ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে আদিখণ্ডে
শ্রীনিত্যানন্দ তত্ত্ব নিরূপণং নাম পঞ্চমঃ
পরিচ্ছেদঃ ॥ ৫ ॥

অর্থ :—

বৃন্দাবনদা লাক্লগা পুন্নমক ফংলে ঐনা ।
ময়াম ফংবা অদু ফংহন্নীংবিবি প্রভুনা ॥ ২০৮
ঐগী অথুম্না রা ইরে ইকাইবা খণ্ডনা ।
ইবনি নিত্যানন্দগীগুণনা ভাওরহনা ॥ ২০৯
নিত্যানন্দ ইবুংঙোগী গুণি মপান নাইদে ।
অনন্তনা মাগী মখল হাঙ্গীবা লোইবা নাইদে ॥ ২১০
শ্রীরূপ রঘুনাথ চরণ আশা তৌজবনা ।
চৈতন্যচরিতামৃত লেংজৈ কৃষ্ণদাসনা ॥ ২১১
শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত আদি-লীলাদা শ্রীনিত্যানন্দ-তত্ত্ব লেখ্নগী
মণ্ডাশুবা মতাং লোইজরে । ৫ ॥

গৌর-কৃপা-টীকা

২০৮—২০৯ । ফংহন্নীংবনি—শ্রীরূপ—সনাতন নচিংবগী মফমদগী (হৌদুনা বৈষ্ণব-শিংগী মফমদা চংজবা ফাওবা পয়ার ১৭৮—২০৬ ফাওবদা পোং পুন্নমক্কী রা হাঙ্গখরে, 'পুন্নমক ফংবা' হাঙ্গবদা শ্রীনিত্যানন্দনা পোং পুন্নমক্কী রা হাঙ্গখিবা অদু—প্রভুনা পোং পুন্নমক অদু ফংহন্নীংবনি, শ্রীনিত্যানন্দগী গুণগী রা নীংসিংলুবদা জ্ঞান মম্থুনা অঙাওবগী মতৌগুমথরে মাথুদা হৌনবনি-তৌনদবনি হাঙ্গনা খনগদবগী লৌশিং অদু মাণ্ডখিদুনা ইশাগী লাইবক ফবগী রা য়াম্না থুম্না থমগদবা রাম্বু ঐনা (কবিরাজনা) ঈকাইবা খণ্ডবা অমগী মতৌগুম্না ইরুরে ।

২১০ । মপান নাইদে—ওয়খৈ নাইদে । অনন্তনা—পাখংবনা, মচিন লিশিং অমা পানবা অনন্তদেবনা ; মহাক্না (অনন্তনা) শ্রীনিত্যানন্দগী গুণ শিংথাবদা লোইবা নাইত্রবদা, উৎকুম্বা ঐনা ইবুংঙো মহাক্কী মগুণবু করম্না শিঙ্গাগনি ?

—০—

অরানবা থরা.

হৌরম—লামায়

অহুম শুবা মতাং

লামায়	অশোক্‌পা	অচুম্বা
৬০৫	ব্রহ্মাণ্ড	ব্রহ্মাণ্ড
৬০৬	মহয়	মহৈ
৬০৬	নজলোকপুষ	পুষ
৬০৯	পাং	পোং
৬১৩	লোঙ্গনা	লোঙ্গননা
৬২১	লুংঙাইবা লৈত্তেং	লৈত
৬২১	মহয়	মহৈ
৬২৭	ব্রহ্মাণ্ডগী	ব্রহ্মাণ্ডগী
৬৩৪	অবত্তরনি	'া'রাংলি অবতারনি
৬৩৭	থৌরবা	থৌরম
৬৩৭	বকুণ্ঠং	বৈকুণ্ঠং
৬৩৯	মরুক	শরুক
৬৪৪	নিমত্ত কারণ	নিমিত্ত কারণ
৬৪৪	পরেং অরোইবগী' ব্রেকেং রাংলে।	
৬৬১	হাইবদি	ওইবনি
৬৭৪	মীনা	মানা
৬৭৫	থারক্রে	থোরক্রে
৬৭৮	তামণি	তরামন্নি
৬৯৬	সাওন্নরে	সাইওন্নরে
৬৯৬	পূন্নমকা	পূন্নমক্না
৬৯৭	ঈশ্বর তত্ত্বনি	ঈশ্বর তত্ত্বনি

পাতায়	অশুদ্ধ	শুদ্ধ
৭০৫	মহাস্,	মহাক্,
৭০৮	খাবিশিংনা	খবিশিংনা
৭০৯	পাজদে	পামজদে
৭১৬	নত্রগা	অমধি
৭১৯	শ্রীবৃন্দাবন	বৃন্দাবণ
৭২১	ইত্রিণী	ইত্রিয়গী
৭১১	শ্রীমন্নিত্যানন্দনা	নন্দনা
৭২২	শ্রীনিত্যানন্দ	নন্দ
৭২২	শ্রীবৃনদাবনদা	শ্রীবৃন্দাবন্দা
৭২৩	শ্রীগোবিনদ	শ্রীগোবিন্দা
৭২৩	পুরণদব ২	পুরন্দর ২
৭২৪	মাধুর্য্যমব	মাধুর্য্যময়
৭২৪	ব্রজেন্দগী নচানা	ব্রজেন্দ্রগী মচানা
৭২৫	খদোকপিরস্কুন।	খাদোকপিবঙ্কুনা
৭৩১	বৃনদাবনদা	বৃন্দাবন্দা
৭৩১	নিত্যানন্দ (২)	নিত্যানন্দা
৭৩২	নিত্যানন্দ (৫)	

